সচিত্র

মহাভারত

প্রথম খণ্ড

ওঁ

মণিপুরী

মহাভারত

তরাহুমদোইশুবা খণ্ড

দ্রোণপর্ব্বগী অরোইবা, কর্ণপর্ব্ব।



বেদব্যাসগী শ্লোকাবলী-মহাভারতকী
পর্ব্ব-অধ্যায়-শ্লোক মথং মনাও
কায়দন, মরক্নরক্ত টীকা
পীদুনা মাতৈরোন্দা

হন্দোকৃচবা—

কালাচাঁদ শাস্ত্রী

ফোঙ্‌জবা ঃ-

মণিপুরী মহাভারত কমিটী
(সেবক মণ্ডলী)
মণিপুরী মহাভারত সভা
ইম্ফাল

॥ ইং কুম্‌জা ১৯৬৫ ॥

[মহাভারত প্রেস, ইম্ফাল]

মমল্ লুপা ১০

দ্রোণ পর্ব্ব

মতাং, অধ্যায়, লামায় মপা তাকপা

কর্ণ পর্ব্ব

মতাং, অধ্যায়, লামায় মপা তাকপা

———

ওঁ

শ্রীমহাভারতম্

পঞ্চপঞ্চাশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ।

চামরাংঙমঙাশুবা অধ্যায়

(ঘটোৎকচ হাৎপ্রবা তুংদা কৃষ্ণনা ডাঙবা)



সঞ্জয় উবাচ।

হৈড়িম্বং নিহতং দৃষ্ট্বা বিশীর্ণমিব পর্ব্বতম্। বভূবুঃ পাণ্ডবাঃ সর্ব্বে শোকব্যাকুলেক্ষণাঃ ॥১॥
বাসুদেবস্তু হর্ষেণ মহতাভিপরিপ্লুতঃ। ননাদ সিংহনাদঞ্চ পর্য্যষজত ফাল্গুনম্ ॥২॥
স বিনদ্য মহানাদমভীষূন্ সংনিয়ম্য চ। ননর্ত্ত হর্ষসংবীতো বাতোদ্ধূত ইব দ্রুমঃ ॥৩॥
ততঃ পরিষ্বজ্য পুনঃ পার্থমাস্ফোট্য চাসকৃৎ। রথোপস্থগতো ধীমান্ প্রাণদৎ পুনরচ্যুতঃ ॥৪॥
প্রহৃষ্টমনসং জ্ঞাত্বা বাসুদেবং মহাবলঃ। অব্রবীদর্জ্জুনো রাজন্! নাতিহৃষ্টমনা ইব ॥৫॥
অতিহর্ষোঽয়মস্থানে তবাদ্য মধুসূদন।। শোকস্থানে তু সংপ্রাপ্তে হৈড়িম্বস্য বধেন বৈ ॥৬॥
বিমুখানীহ সৈন্যানি হতং দৃষ্ট্বা ঘটোৎকচম্। বয়ঞ্চ ভৃশমুদ্বিগ্না হৈড়িম্বস্য নিপাতনাৎ ॥৭॥

সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ! চাঙগী মতোঙম্না য়াং চাউরবা ঘটোৎকচগী থরাই য়াওব্রবা হকচাং তাহ্লনা লৈবহ্ উবদা পাণ্ডবশিংগী মমীত্তগী মুংশিবগী অহুগা অরাবগী পিগী ঈচেম্না তত্তনা শিন্থি ॥১॥ মতম অসিদা কৃষ্ণদি ওস্থোক্লা হরাও নুংঙাইবগী মওংদা সিংহনাদ লাউরগা অর্জ্জুনবু চেৎনা আলিঙ্গন তৌখি ॥২॥ অহুদগী অমুকস্থু পেন্দবগুম্না সিংহনাদ লাউরগা, সারথিগী আসনদা কমহ্লনা শগোল চুর্ম্প লাকখৎতুনা মুংশিৎনা য়ৈবদা হুম্বা উপাম্বীগী মশা মরেংগুম্না কৃষ্ণনা জগোই শাখি ॥৩॥ অহুদগী অমুকস্থু কৃষ্ণনা নেক্ল নোক্লা, অর্জ্জুনদা ঙাহৌ খেংহৌনা কোল্লগা খুৎনা অর্জ্জুনদা ঈল্ল ঈল্লহ্লনা রথ মথক অহুদা অমুক সিংহনাদ লাউরকই ॥৪॥ মহারাজ! মতম অহুদা কৃষ্ণনা য়াম্না হরাও নুংঙাইবহ্ উবদা অর্জ্জুননা অহুক য়াম্না নুংঙাইবতৌদনা কৃষ্ণদা হায়রকই:— ॥৫॥ মধুসূদন! যাদব! করি মতৌনো! ঘটোৎকচ লৈখিদবগী মুমিৎ অসি পাণ্ডব ঐখোয়গী য়াম্না ৱারগদবা মুমিৎনি। হয়াউ নুংঙাইননবগী মুমিৎ নত্তে। অহুবু নহাক্তি য়াম্না হরাউবা উরি! ॥৬॥ ঘটোৎকচনা লান্দ্র তুখিবদগী পাণ্ডব লাম্মী পুম্বা হন্দোক্লরি। কৃষ্ণ!

নৈতৎ কারণমল্পং হি ভবিষ্যতি জনার্দন। তদস্য শংস মে পৃষ্টঃ সত্যং সত্যবতাং বর ॥৮॥
যদ্যেতন্ন রহস্যং তে বক্তুমর্হস্যরিন্দম। ধৈর্য্যস্য বৈকৃতং ব্রূহি ত্বমদ্য মধুসূদন ॥৯॥
সমুদ্রস্যেব সংশোষং মেরোরিব বিসর্পণম্। তথৈতন্মন্যেঽহং তব কর্ম্ম জনার্দ্দন ॥১০॥

বাসুদেব উবাচ।

অতিহর্ষমিমং প্রাপ্তং শৃণু মে ত্বং ধনঞ্জয়। অতীব মনসঃ সদ্যঃ প্রসাদকরমুত্তমম্ ॥১১॥
শক্তিং ঘটোৎকচেনেমাং ব্যংসয়িত্বা মহাহবে। কর্ণং নিহতমেবাদ্য বিদ্ধি সদ্যো ধনঞ্জয় ॥১২॥
শক্তিহস্তং পুনঃ কর্ণং ন লোকেঽস্তি পুমানিহ। য এনমভিতস্তিষ্ঠেৎ কার্ত্তিকেয়মিবাহবে ॥১৩॥
দিষ্ট্যাপনীতকবচো দিষ্ট্যাপহৃতকুণ্ডলঃ। দিষ্ট্যা চ ব্যংসিতা শক্তিরমোঘাস্য ঘটোৎকচে ॥১৪॥
যদি হি স্যাৎ সকবচস্তথৈব চ সকুণ্ডলঃ। সামরানপি লোকাংস্ত্রীনেকঃ কর্ণো জয়েদ্বলী ॥১৫॥
বাসবো বা কুবেরো বা বারুণোবা জলেশ্বরঃ। যমো বা নোৎসহেৎ কর্ণং রণে প্রতিসমাসিতুম্ ॥১৬॥
গাণ্ডীবমুদ্যম্য ভবাংশ্চক্রঞ্চাহং সুদর্শনম্। ন শক্তৌ স্বো রণে জেতুং তথাযুক্তং নরর্ষভম্ ॥১৭॥

পাণ্ডব ঐখোয়গী থম্মোয়দসু অরাবনা থাওঙমদবা মৈচাক পীরি ॥৭॥ অচুম্বা ওইগদবা, থোকদবত্ত ঙাঙঙম্বা কৃষ্ণ! নহাক্কী ঙসি নুংঙাইরিবাসগী মরমদি ঈচম্ চম্বা ওইরম্মরোই। অদুনা ঐনা হংলি, মরম অসি শেংনা অমুক্তা হায়রু ॥৮॥ লোইনা খঙগনবা উগনবা। মেরুবা ঙম্বা। মরম্ অসি রাম্নমক লুদবা, হায়দোকপা য়াদবমক্ নত্রবদি হায়রো। মধুসূদন! অরাবগী নুমিৎ অসিদা অমুক্ হয়াউরিবত্নগী মরম্ মুম্না শেংনা হায়রু ॥৯॥ জনার্দ্দন! সমুদ্র ঈপাক্লা কংশিন্খিবগুম্ সুমেরু চীংজাওনা লেঙবগুম্ অরাবা নুমিৎতা নহাক্লা নুংঙাইরিবসে থোইদোক্লা ঙকপা, ওয় তৈনবা, ওইথোকৃতবা থৌদোক অমগুম্ থোকই ॥১০॥ কৃষ্ণনা হায়ঃ— অর্জ্জুন! ঐনা ঙসি য়াম্না নুংঙাইরিবসিগী মরম হায়গে মুম্না তাও ॥১১॥ থোইনশিংলবা অর্জ্জুন! ঙসি কর্ণনা মাগী তাবু ঘটোৎকচ হাৎপদা শীজিন্নহনা মাঙহনখ্রিবসিনা নংগী নখুত্ত কর্ণ তুরবনি হায়না খল্লো ॥১২॥ কর্ণনা তা অসিবু পায়রুনা কার্ত্তিককী মতৌগুম্না লালকম্দা কর্ণনা লেপ্পদা জগত্তা কনা অমত্তা লৈত্রবনি, মমাঙদা লেপকদবা ॥১৩॥ অর্জ্জুন! নংগী নরায়বক্ কবনা, কর্ণগী মশাদগী অক্ষয়কবচ চৎখ্রেদো, পোকৃপদগী লোয়নরকপা কুণ্ডলসু ইন্দ্রনা লৌথোকপিখ্রেদো, নরায়বক্ কবনা নংবু হাৎকে রাশকতুনা ইন্দ্রদগী ফংখিবা তা অদুসু ঘটোৎকচ হাৎপদা অহম্ লোইথোক-খ্রেদো! ॥১৪॥ কর্ণনা মাগী পোকপদগী লোয়নরকপা কুণ্ডলনাইন্ অহুম্ হৌজিক্ কাওবা চিন্দুনা মরৈরম্নবদি মথন্তনা ইন্দ্রগা লোয়নননা লাইরমশিংবু অহুগা মরোল অহুম্বু জয় তৌবা ঙম্মগদবনি ॥১৫॥ কর্ণগী মশাদা য়াওরম্নিবা পোৎশকশিং অহুনা অহুম্ মঙোন্দা মরৈরম্নবদি ইন্দ্র, বরুণ, কুবের, যমরাজ মকশু কর্ণবু কৈদৌঙৈদসু জয় তৌবা ঙমম্মরোইদৌবনি ॥১৬॥ গাণ্ডীব লীরুং পায়রবা নংনসু, সুদর্শনচক্র পায়রবা ঐনসু কবচকুণ্ডল অনীনা লৈতেংবা কর্ণবু কদৌঙৈদসু

ত্বদ্ধিতার্থন্তু শক্রেণ মায়াপহৃতকুণ্ডলঃ । বিহীনকবচশ্চায়ং কৃতঃ পরপুরঞ্জয়ঃ ।১৮।
উৎকৃত্য কবচং যস্মাৎ কুণ্ডলে বিমলে চ তে । প্রাদাচ্ছক্রায় কর্ণো বৈ তেন বৈকর্ত্তনঃ স্মৃতঃ ।১৯।
আশীবিষ ইব ক্রুদ্ধো স্তম্ভিতো মন্ত্রতেজসা । তথাদ্য ভাতি কর্ণো মে শান্তজ্বাল ইবানলঃ ।২০।
যদা প্রভৃতি কর্ণায় শক্তির্দত্তা মহাত্মনা । বাসবেন মহাবাহো ! প্রাপ্তা যাসৌ ঘটোৎকচম্ ।২১।
কুণ্ডলাভ্যাং নিমায়াথ দিব্যেন কবচেন চ । তাং প্রাপ্যামন্যত বৃষঃ সততং ত্বাং হতং রণে ।২২।
(যুগ্মকম্)

এবং গতোহপি শক্যোহয়ং হন্তুং নান্যেন কেনচিৎ । ঋতে ত্বাং পুরুষব্যাঘ্র ! শপে সত্যেন চানঘ ! ।২৩।
ব্রহ্মণ্যঃ সত্যবাদী চ তপস্বী নিয়তব্রতঃ । রিপুষ্বপি দয়াবাংশ্চ তস্মাৎ কর্ণো বৃষঃ স্মৃতঃ ।২৪।
যুদ্ধশৌণ্ডো মহাবাহুর্নিত্যোদ্যতশরাসনঃ । কেশরীব বনে নর্দ্দন্ মত্তমাতঙ্গযূথপান্ ।
বিমদান্ রথশার্দ্দূলান্ কুরুতে রণমূর্দ্ধনি ।২৫।
মধ্যং গত ইবাদিত্যো যো ন শক্যো হ্যবীক্ষিতুম্ । ত্বদীয়ৈঃ পুরুষব্যাঘ্র ! যোধমুখ্যৈর্মহাত্মভিঃ ।২৬।
শরজালসহস্রাংশুঃ শরদীব দিবাকরঃ । তপান্তে তোয়দো যদ্বচ্ছরধারাঃ ক্ষরন্ মুহুঃ ।
দিব্যাস্ত্রজলদঃ কর্ণঃ পর্জ্জন্য ইব বৃষ্টিমান্ ।২৭।

জয় তৌবা ঙম্মরোইদৌবনি ॥১৭॥ নংগী কান্নবগী দমক্ ইন্দ্রনা কর্ণদগী কুণ্ডলনাইন অসি উপায় অমা তৌদুনা লৌখিবনি। অদুগা মহাকপু মাগী মপোক্কী লোয়নরকপা মউনগুম্বা কবচবু খোকতুনা লৌখোকহনখিবনি ॥১৮॥ কর্ণনা মশাদগী কুণ্ডলনাইনবু কক্থৎতুনা, কবচবু খোকতুনা লৌখোকখিবদগী কর্ণগী মমিং বিকর্ত্তনগী "বৈকর্ত্তন" (—কক্থৎপা-খোক্তোক্পা) হায়না কৌনখিবনি ॥১৯॥ কর্ণসি মমাঙৈদা পোকখিবদগী অশাউবা লিন্না মশা স্মুম্স্মুম্ চাউখোয়কপগুম্বা, অদুগা মন্ত্রগী তেজনা মথন্তু অস্মুমস্মুম্ চাওখিবান। অদুবু অর্জ্জুন! হৌজিক্তি কর্ণসে মৈরি খোক্তবা মৈগী মতৌগুম্, মরৈ মহু থৎপ্রবা লিলগী মতৌগুম্ ওইবেদো ॥২০॥ অকনবা! অর্জ্জুন! মহাত্মা ওইরবা ইন্দ্রনা পীখিবা তা অদু হৌজিক্তি ঘটোৎকচগা কোন্নরা অহুম্ লোইখ্রে। নংবু হাৎকে হায়রগী দমক্ কর্ণনা মাগী কুণ্ডল অনী অদুগা কবচ অদু পীখোকতুনা মাদুগী মহুত্তা তা অসি ইন্দ্রদগী ফংখিবনি। তা অসি হেক্ ফংবদগী "অর্জ্জুন হায়বসি কর্ণ ঐগী খুত্তা শিরবনিদো" হায়না অহুম খঙদুনা লাক্লবনি ॥২১-২২॥ পাপ য়াওদ্রবা অর্জ্জুন! হৌজিক্তু মশাদা করিমত য়াওদ্রবা কর্ণসিবু নংনত্তনা কনা অমত্তনা হাৎপা ঙম্মরোইদৌবনি ॥২৩॥ অর্জ্জুন! কর্ণ হায়বসে, ব্রাহ্মণগী কান্নবত থন্বা মীনিদো, য়াথক চেৎলিদো, তপস্যা কল্লিদো, শাস্ত্রগী নিয়মবিধি কায়দনা চংলি দানধর্ম্ম তৌইদো। য়েক্লবকাওবদা দয়া তৌইদো, অসিমত্তনা মাবু বৃষ হায়নস্মু খঙনবনি ॥২৪॥ বনদা ওংদুনা লৈবা, কল্লবা নোংশানা মঙ্গায়কারবা, নাপলতৌরবা শামু লম্শাশিংগী মন্নায়বু-নাপলবু য়ৈথেকপঙ্গুম্বা, লান্দা মন্নায় কারবা, মথুত্তা লীরুং চেৎনা পায়বা কর্ণস্মু লালকমদা অকনবা রথী অথোইবশিংগী নাপল য়ৈথেকতুনত্ত লাকলিবনি ॥২৫॥ অর্জ্জুন! অকনবা! নখোয়গী পক্ষ অসি অকনবা কনা অমত্তনা কর্ণদা হংগৎনকাও য়েংবা ঙমখিদ্রবনিদো ॥২৬॥ শরৎকী ঋতু মতমদা নুমিৎনা মাগী মশেক মঙাল

ত্রিদশৈরপি চাশক্তিঃ শরবর্ষং সমন্ততঃ। অশক্যস্তত্রথো ভেত্তুং প্রবর্ষিবীংসশোণিতম্ ॥২৮॥
কবচেন বিহীনশ্চ কুণ্ডলাভ্যাঞ্চ পাণ্ডব।। সোঽস্ত মানুষতাং প্রাপ্তো বিমুক্তঃ শক্তিতয়া ॥২৯॥

একো হি যোগোঽস্য ভবেদ্বধায় ছিদ্রে হ্যেনং স্বপ্রমত্তঃ প্রমত্তম্।
কৃচ্ছ্রপ্রাপ্তং রথচক্রে নিমগ্নে হন্যাঃ পূর্বং স্বস্ত সংজ্ঞাং বিচার্য্য।
ন হ্যুদ্যতাস্ত্রং যুধি হন্তাদজয্যমপ্যেকবীরো বলভিৎ সবজ্রঃ ॥৩০॥

জরাসন্ধশ্চেদিরাজো মহাত্মা মহাবাহুশ্চৈকলব্যো নিষাদঃ।
একৈকশো নিহতাঃ সর্ব্ব এব যোগৈস্তৈস্তৈস্তদ্ধিতার্থং মহৈব ॥৩১॥
অথাপরে নিহতা রাক্ষসেন্দ্রা হিড়িম্বকির্ম্মীরবকপ্রধানাঃ।
অলায়ুধঃ পরসৈন্যাবমর্দ্দী ঘটোৎকচশ্চোগ্রকর্ম্মা তরস্বী ॥৩২॥

অর্জ্জুন উবাচ।

কথমস্মদ্ধিতার্থং তে কৈশ্চ যোগৈর্জনার্দ্দন।। জরাসন্ধপ্রভৃতয়ো ঘাতিতাঃ পৃথিবীশ্বরাঃ ॥৩৩॥

হাইদোক্নরক্পগুম্ কর্ণনা, লালফমদা তেলগী মপৈ পাইথোকহল্লি। নোংমত্থুমনা মশীঙ লাক্ণম্রদবা ঈশিং মমী হৈথরকপম্রগুম্না কর্ণনা মশীং লাকণমদবা তেলগী মপৈবু য়েক্লবশিংগী মথক্তা হৈথরিবনি, অদুগা মীচমনা কংবা ওম্দবা থওদবা থুংলায় মক্ত লালকমদা থুদক্ত পুথোকৃপা ঙম্লিবনি ॥২৭॥ মায়কৈ মরিমক্তা তেল লিশিং লিশিংবু মাগী লীরুংদগী পাইথোকহল্লকতুনা য়েক্লবশিংগী মশাদগী ঈ-নাই মরীমরী কাপথোক্হল্লকৃপা মতমদা, মম্লায় কাক্তুনা লৈরিবা কর্ণগী রথ অদুকাওবা লাইয়ামমক্লা জয় তৌবা ঙমত্রিবনি ॥২৮॥ অদুনা পাণ্ডুনন্দন অর্জ্জুন! মতম্ অম্মুক কুইনা লাই মচাগুম্ লৈরম্বা কর্ণদো, কবচ কুণ্ডল য়াওখিদবা নুমৈং অদুদগী অদুগা ঙাসিগী নুমিত্তা ইন্দ্রন পীবা তা অদু লৈখিত্রবসিদগীম্ম, মীচম্ অমওইনা ৈলরেদো। ॥২৯॥ কর্ণবু হাৎননবগী উপায় অমম্তু ঐ হায়গে অর্জ্জুন! নংগা হয়েং কম্না শোক্লরকৃপা মতমদা মাগী রথগী চাকা অসে লৈনুংদা পুথখিগনি। মতম্ অদুদা কর্ণসি অরাবদা তাগনি, মাগী মথৌদা পুক্নিং চংঙেঙায়। মতম্ অদুদা নংনা ঐনা পীরকপা ঈঙ্গিতপু মুম্না থঙগদবনি। মতম অদুদা নংনা য়াম্না চ্যেকশিন্না, মাগী অহোবা য়েংতুনা মাবু হাৎকদবনি। নত্রবদি অর্জ্জুন! কর্ণনা য়াম্না চ্যেকশিন্না মথুত্তা থুৎলায় পায়তুনা হেক মরৈপ্রবদি মাবু ঙম্বা কনা অমত লৈরোই। করি অমুক হায়গনি—জগৎ অসিদা মপা লৈতনা কল্লবা বজ্র পায়বা ইন্দ্র কাওবনা কর্ণবু হাৎপা ঙম্মোইদবনি ॥৩০॥ অর্জ্জুন! মপাঙ্গল থোইনা কল্লবা, জরাসন্ধ, শিশুপাল, ব্যাধগী জাত্ত পোক্লবা একলব্য মথোয় পুম্নসে অমমম্ত ওইনা নংগী দমক্ত ঐনা হাৎখিবনি অদুগা হাৎহনখিবনি ॥৩১॥ অদুগী তুংদা হিড়িম্ব, কির্ম্মীর, বকমচিংবা হিংচাবশিং অদুগা য়েক্লবগী লাম্নী-শিংবু নৈথা ইরম্বা, অকিবগী মশক ওইরবা ঘটোৎকচ—মথোয় অসি লোইনা ভূমত্রেদো ॥৩২॥ অর্জ্জুননা হায়ঃ— কৃষ্ণ! নহাক্না জরাসন্ধনচিংবা অকনবশিংবু ঐখোয়গীদমক্ত করিগী হাৎখিবগে?

বাসুদেব উবাচ।

জরাসন্ধশ্চেদিরাজো নৈষাদিশ্চ মহাবলঃ। যদি স্যুর্ন হতাঃ পূর্ব্বমিদানীং স্যুর্ভয়ঙ্করাঃ ॥৩৪॥
দুর্য্যোধনস্তানবশ্যং বৃণুয়াদ্রথসত্তমান্। তেঽস্মাসু নিত্যং বিদ্বিষ্টাঃ সংশ্রয়েয়ুশ্চ কৌরবান্ ॥৩৫॥
তে হি বীরা মহেষ্বাসাঃ কৃতাস্ত্রা দৃঢ়যোধিনঃ। ধার্ত্তরাষ্ট্রীং চমূং কৃৎস্নাং রক্ষেয়ুরমরা ইব ॥৩৬॥
সূতপুত্ত্রো জরাসন্ধশ্চেদিরাজো নিষাদজঃ। সুযোধনং সমাশ্রিত্য জয়েয়ুঃ পৃথিবীমিমান্ ॥৩৭॥
যোগৈরপি হতা যৈস্তে তান্ মে শৃণু ধনঞ্জয়!। অজয্যা হি বিনা যোগৈর্মৃধে তে দৈবতৈরপি ॥৩৮॥
একৈকো হি পৃথক্ তেষাং সমস্তাং সুরবাহিনীম্। যোধয়েৎ সমরে পার্থ। লোকপালাভিরক্ষিতাম্ ॥৩৯॥
জরাসন্ধো হি রুষিতো রৌহিণেয়প্রধর্ষিতঃ। অস্মদ্বধার্থং চিক্ষেপ গদাং বৈ সর্ব্বঘাতিনীম্ ॥৪০॥
সীমন্তমিব কুর্ব্বাণা নভসঃ পাবকপ্রভা। অদৃশ্যতাপতন্তী সা শক্রমুক্তা যথাশনিঃ ॥৪১॥
তামাপতন্তীং দৃষ্ট্বৈব গদাং রোহিণিনন্দনঃ। প্রতিঘাতার্থমস্ত্রং বৈ স্থূণাকর্ণমবাসৃজৎ ॥৪২॥
অস্ত্রবেগপ্রতিহতা সা গদা প্রাপতদ্ভুবি। দারয়ন্তী ধরাং দেবীং কম্পয়ন্তীব পর্ব্বতান্ ॥৪৩॥
তত্র সা রাক্ষসী ঘোরা জরানাম্নী সুবিক্রমা। সন্দধে সা হি সঞ্জাতং জরাসন্ধমরিন্দমম্ ॥৪৪॥

অদুগা করম করম্বা উপায়না হাৎখি ? ॥৩৩॥ কৃষ্ণনা হায়ঃ—অকনবা জরাসন্ধবু, শিশুপালবু অদুগা একলব্যবু অহানবদা হাৎহৌত্রবদি মখোয় অদুনা লাল অসিদা ওস্থোক্ল: চাউরবা বিম্ন অপনবা অমমম্ ওইরম্মগদবনি ॥৩৪॥ মরমদি মখোয় লৈরম্লবদি লাল অসিগী দমক, মঙোম্বা য়াও হায়দুনা দুর্য্যোধননা মখোয়বু নহান্না বার্ত্তন তৌরম্মগদবনি। অদুগা মখোয়সু, ঐখোয়বু য়েংথিনবনি হায়দুনা দুর্য্যোধনগী পক্ষদা য়াওরমগদবনি ॥৩৫॥ অদু ওইরবদি মখোয়না শুমিৎ চুপ্পা দুর্য্যোধনগী মাঙথানা কৌরব তেঙ্গোলবু ঙাকশেন্দুনা লৈরম্মগদবনি ॥৩৬॥ কর্ণ, জরাসন্ধ, শিশুপাল, একলব্য মখোয় অসিনা দুর্য্যোধনদা মখোয়গী মতেং পীদুনা পৃথিবী মপুম অসিমা চাকথেকহনবা ক্ষাওব ঙমহনগদবনি ॥৩৭॥ অদুগা অর্জ্জুন হায়রিবা মখোয় অসিবু হাৎখিবগী মরম অমদি উপায় নহাক তাও। উপায় অমদি মন্ত্রনা নত্তনদি হায়রিবশিং অসি হাৎপদি লাই মক্লা ঙম্মোইদৌবনি ॥৩৮॥ অর্জ্জুন! হায়খ্রিবা মখোয় অসে অমমম্না লালকমদদি মায়পেঙাকপা লাইমক্লা ঙাকৃশেন্‌বা লাইয়াম্মক্লা থেংনবা ঙম্‌খিবা ঙাক্কনি ॥৩৯॥ নোংমগী রানি; লাম্বা য়াম্নুং বলবামগী মথক্তা মায়থীবা শংলদুনা জরাসন্ধ অসি থোইদোক্লা শাউখিদুনা অমুক্কদা ঐখোয় পুম্ববু হাৎঙম্বা গদা অমা লংশিনখি ॥৪০॥ মৈবুলগী মতৌগুম্নবা গদা অদু নোংমদোনমকপু ময়ায় চবুক্ত খায়দোকহুনা পাইশিল্লকপগুম ইন্দ্রগী বজ্রগুম্না সাফু কম্না ঐখোয়রোমদা পাইশিল্লকপদু উরে ॥৪১॥ গদা অদুনা পাইশিল্লকপদু উবদা য়াম্নুং বলদেবনা স্থূনাকর্ণ কৌবা খুৎলায় অমনা গদা অদু তম্না লংশিন্‌খি ॥৪২॥

মতম্ অদুদা বলদেবগী খুৎলায়না ঙাকথোকপদা গদা অদু পৃথ্বী অসি থোক থোক নোমহন্দুনা লৈমায় অসি থিন্‌গাইদুনা তাখি ॥৪৩॥ জরাসন্ধ অসিগী পোকপা শুমিত্তা অকিবগী মশক্ কংলবী, থোইদোক্লা কল্লবী জরা কৌবী হিংচাবী অমনা মহাকপু শম্‌জিন্নখিবনি। ॥৪৪॥

দ্বাভ্যাং জাতো হি মাতৃভ্যামর্দ্ধদেহঃ পৃথক্ পৃথক্। জরয়া সন্ধিতো যস্মাজ্জরাসন্ধস্ততোঽভবৎ ॥৪৫॥
সা তু ভূমিং গতা পার্থ। হতা সসুতবান্ধবা। গদয়া তেন চাস্ত্রেণ স্থূণাকর্ণেন রাক্ষসী ॥৪৬॥
বিনাভূতঃ স গদয়া জরাসন্ধো মহামৃধে। নিহতো ভীমসেনেন পশ্যতস্তে ধনঞ্জয়। ॥৪৭॥
যদি হি স্যাদ্গদাপাণির্জরাসন্ধঃ প্রতাপবান্। সেন্দ্রা দেবা ন তং হন্তুং রণে শক্তা নরোত্তমম্ ॥৪৮॥
ত্বদ্ধিতার্থং হি নৈষাদিরঙ্গুষ্ঠেন বিয়োজিতঃ। দ্রোণেনাচার্য্যকং কৃত্বা ছদ্মনা সত্যবিক্রমঃ ॥৪৯॥
স তু বদ্ধাঙ্গুলিত্রাণো নৈষাদির্দৃঢ়বিক্রমঃ। অস্যন্নেকো বনচরো বভৌ রাম ইবাপরঃ ॥৫০॥
একলব্যং হি সাঙ্গুষ্ঠমশক্তা দেবদানবাঃ। সরাক্ষসোরগাঃ পার্থ। বিজেতুং যুধি কর্হিচিৎ।
কিমু মানুষমাত্রেণ শক্যঃ স্যাৎ প্রতিবীক্ষিতুম্ ॥৫১॥
দৃঢ়মুষ্টিঃ কৃতী নিত্যমস্যমানো দিবানিশম্। ত্বদ্ধিতার্থন্তু স ময়া হতঃ সংগ্রামমূর্দ্ধনি ॥৫২॥
চেদিরাজশ্চ বিক্রান্তঃ প্রত্যক্ষং নিহতস্তব। স চাপ্যশক্যঃ সংগ্রামে জেতুং সর্ব্বৈঃ সুরাসুরৈঃ ॥৫৩॥
বধার্থং তস্য জাতোঽহমন্যেষাঞ্চ সুরদ্বিষাম্। ত্বৎসহায়ো নরব্যাঘ্র। লোকানাং হিতকাম্যয়া ॥৫৪॥
হিড়িম্ববককির্ম্মীরা ভীমসেনেন ঘাতিতাঃ। রাবণেন সমপ্রাণা ব্রহ্মযজ্ঞবিনাশনাঃ ॥৫৫॥

ময়মদি, জরাসন্ধ অসি পোকপা মতমদা, মমাগী গর্ভদগী তংখাই তানা অনী থোক্লা তারকই। অদুদগী জরা হায়রিবী হিংচাবীসিনা শম্‌জিন্নখিবদগী মাগী মমিং জরাসন্ধ (জরানা শম্‌'জন্নবা) হায়না কৌনখি ॥৪৫॥ অর্জ্জুন। জরা হায়রিবী রাক্ষসী অসি, মচা-মশূ, শাগৈনাতৈ মরূপ মপাংগা লোয়ননা গদগা স্থূণাকর্ণ কৌবা খুংলায়গা অনী অহুনা থেংনদুনা তারকপদা খুংলায় অনীদুনা থাদুনা শিখি ॥৪৬॥ অদুগা অর্জ্জুন। জরাসন্ধবু হাৎপদি গদা য়াওদবা মাগা ভীমসেনগা থেংনহন্দুনা হাৎখিবনি—মাহু নংস্ম উখিবহুমতায় ॥৪৭॥ মতীক্‌মগুণ চাউরবা জরাসন্ধনা মাগী গদা অহু পায়রুনা মচোংথোক্লবদি ইন্দ্রগা লোয়নরবা লাইয়াম্‌মক্সু মাবু হাৎপা ঙম্মোইদৌবনি ॥৪৮॥ অদুগা অর্জ্জুন! নংগী কান্নবগীদমক্তা, গুরু দক্ষিণা পীয়ু হায়জিন্নহন্দুন একলব্যনা মাগী খুবী কক্‌না মাগী গুরুদ্রোণদা খুবী অহু কৎহনখিবনি ॥৪৯॥ মরিল মথৌনা মপাজল লৈরবা একলব্য হায়বহু খুদোন-খাঙ হাপ্তনা অনীশুবা পরশুরামগুম্না তেল কাপ্‌, কাপতনা বনদা হেক হেক চৎপনি ॥৫০॥ অর্জ্জুন! একলব্যদা খুবী অহুবু পান্দুনা মরৈরম্নবদি লাইহিংচাবা, গন্ধর্ব্ব, কিন্নর, অচৌ অচৌবা লিলমক্লা লান্দা মাবু জয় তৌবা ঙম্মম্মোইদৌবনি ॥৫১॥ অদুবু অর্জ্জুন! মখুৎ চেৎলবা, মখুৎথুরব, লান্দা হৈশিংলবা, নুমিৎ চুপ্পা অহিং নুংথিন্দা তেস্ত কাপতুনা ওরাইহুনা লৈবা একলব্য অহুবু ঐনা নংগীদমক সংসারসিদা লৈহনখিদ্রেদো ॥৫২॥ অর্জ্জুন। অদুডৈ, রাজসূয়যজ্ঞদা, নমাঙমক্তদা ঐনা শিশুপালবু হাৎখিবহুনি। ঐনা মাবু হাৎপগী মরমদি লাইহিংচাবা কনা অমতনা মাবু হাৎপা ঙম্মোই অদুগীনি ॥৫৩॥ নিপা অথোইবা, অর্জ্জুন! ঐনা হুন্দক পোক্লিবসে, ময়োল অহুম্‌গী কান্নবা শিশুপালবু হাৎকে, অদুগা অর্জ্জুন নহাক্কীদমক নংগী অমদি লাইরামগী য়েক্লবশিংবু

হতস্তথৈব মায়াবী হৈড়িম্বোঽপ্যপায়ুধঃ । হৈড়িম্বশ্চাপ্যুপায়েন শক্ত্যা কর্ণেন ঘাতিতঃ ॥৫৬॥
যদি হ্যেনং নাহনিষ্যৎ কর্ণঃ শক্ত্যা মহামৃধে । ময়া বধ্যোঽভবিষ্যৎ স ভৈমসেনির্ঘটোৎকচঃ ।
ময়া ন নিহতঃ পূর্ব্বমেষ যুষ্মৎপ্রিয়েপ্সয়া ।৫৭।
এষ হি ব্রাহ্মণদ্বেষী যজ্ঞদ্বেষী চ রাক্ষসঃ । ধর্ম্মস্য লোপ্তা পাপাত্মা তস্মাদেষ নিপাতিতঃ ।
ব্যংসিতা চাপ্যুপায়েন শক্রদত্তা ময়ানঘ । ।৫৮।
যে হি ধর্ম্মস্য লোপ্তারো বধ্যাস্তে মম পাণ্ডব ।। ধর্ম্মসংস্থাপনার্থং হি প্রতিজ্ঞৈষা মমাব্যয়া ।৫৯।
ব্রহ্ম সত্যং দমঃ শৌচং ধর্ম্মো হ্রীঃ শ্রীর্ধৃতিঃ ক্ষমা । যত্র তত্র রমে নিত্যমহং সত্যেন তে শপে ।৬০।
ন বিষাদস্ত্বয়া কার্য্যঃ কর্ণং বৈকর্ত্তনং প্রতি । উপদেক্ষ্যাম্যুপায়ং তে যেন তং প্রসহিষ্যসি ।৬১।
সুযোধনঞ্চাপি রণে হনিষ্যতি বৃকোদরঃ । তস্য চাপি বধোপায়ং বক্ষ্যামি তব পাণ্ডব । ।৬২।
বর্দ্ধতে তুমুলস্ত্বেষ শব্দঃ পরচমূং প্রতি । বিদ্রবন্তি চ সৈন্যানি ত্বদীয়ানি দিশো দশ ।৬৩।

লোইথোকলম্‌গে হায়রবগীদমক্তনি ॥৫৪॥ ঐনা, নয়াগ্ব ভীমসেননা খুংলায় ওইগনা রাবণগা মান্নবা কল্লবা রাক্ষসশিংগী তপস্য-যজ্ঞথুগাইবা হিড়িম্ব, বক, কির্ম্মীরবু হাংখিবনিদো ॥৫৫॥ ভাসইদসু ঐগী থৌইঙ্ক্লন্দগী ঘটোৎকচ থাজিন্দুনা অলায়ুধবু হাংহনখিবগনি। অদুগা হৌজিকমক্তা বুদ্ধি অম তৌদুনা, ঐনা, ইন্দ্রনা পীবা তা অদু পায়হন্দুনা কর্ণদা ঘটোৎকচবু হাংহনখিবগনি ॥৫৬॥ কর্ণনা তা অদুনা কয়িগুম্বা ঘটোৎকচবু হাংলমত্রবদি ঐমক্তা মাবু হাংপা তায়গবনি। অদুনা মাগু খণ্ডনা ঐনা মাবু নংগীদমক্তা হাংখিদবনি ॥৫৭॥ অদুগা অর্জ্জুন! ঘটোৎকচবু কয়িগী হাংহনবগে হায়না হংবদুসু মহাকসু ব্রাহ্মণগী য়েংথিবা, যজ্ঞথুগাইবা, ধর্ম্মা ধর্ম্ম য়েংদবা, পাপচেনবা হিংচাবা অমনি। অদুনা মাবু কর্ণ থাজিন্দুনা হাংহনবনি। অদুনা অর্জ্জুন! ইন্দ্রনা পীবা, কর্ণগী তা অদু মাগী মথুত্তগী ঐনা নাম্থোকহনখ্রেদো ॥৫৮॥ পাণ্ডুনন্দন! ধর্ম্মবু থুগাইবা, নাস্তিক ওইবশিংদো লোইনা ঐনা মাংহনগদবনি। ঐনা পোকপদি, অধর্ম্মীশিংবু মাঙহল্লগা, ধর্ম্মবু অমুমুক লিংখৎকে-য়োকথৎকে হায়রবগীদমক্নি। মসি ঐগী ঈপোক খুদিংগী উ:দ্দগু অমদি রাশক্নি ॥৫৯॥ তপস্যা, সত্য, ইন্দ্রিয়থুদুমচনবা, পূক্নীংশেংনা লৈবা, ধর্ম্ম, কত্তবা তৌবদা ঈকায়বা, অকবা খ্বাইগী কান্নবগী থবক্ত শীজিন্নবা সম্পাত্তি, তপথবা, অরাবা খাঙহৈবা হায়রিবা গুণ কর্ম্মশিং আসনা তেক্তনা লৈম্বিবা মকম্ অদদা ঐ য়াম্মা নুংঙাইনা লৈ। অর্জ্জুন! মসি ঐ নত্তোন্দা মীনম্‌দনা, রাশক্না হায়রবনি ॥৬০॥ ধনঞ্জয়! নহাক, কর্ণগা থেংনবগী মরম্‌দা অত্তে অত্তে অম খল্লদুনা নীঙহল্লবা তনবা তৌরগনু। মরমদি লান্দা মাগা লাম্বা ওইদুনা থেংনবা উপায় অদো ঐনা মতম-চানা চানা হায়রক্নি ॥৬১॥ পাণ্ডুনন্দন! ভীমসেননসু দুর্য্যোধনবু হাংকনি মাবু হাংননবগী উপায়সু ঐনা মতম চানা নংগী নমাঙদা হায়রক্নি। অর্জ্জুন! কান্নদে মথা ভান্নুনা, হৌজিক্‌ য়েরুবশিংগী পক্কদা হরাউতয়াম্বগী য়াম্মা লাউনথোংনরক্লি। অমরোম্‌দা নংগী

অলক্ষ্যা হি কৌরব্য বিষমস্থি চক্ষুং তব। মহতোব চ বঃ সেনাং দ্রোণঃ প্রহরতাং বরঃ ॥৬৪॥
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং দ্রোণপর্ব্বণি
ঘটোৎকচবধে শ্রীকৃষ্ণবাক্যে পঞ্চপঞ্চাশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥ *

——:x:——

পঙ্কসী লাম্মীশিংনা মায়েইগেশলাই খঙ্দনা চেন্নরি ॥৬৩॥ কৌরবশিংনা নখোয়গী লাম্মীশিংবু হৌজিক্ তাম্র তাম্র হাংজি। অকনব দ্রোণনস্থ নখোয়গী লাম্মীশিংবু মায়েইগে অমমোদা চাকথেকলকলি ॥৬৪॥

মকম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা দ্রোণপর্ব্বদা ঘটোৎকচ বধগী মনুংদা শ্রীকৃষ্ণবাক্য"গী চাময়াঙ্খেমঙা শুবা অধ্যায় লোইরে ॥ * ॥

———

শ্রীমহাভারতম্

ষট্পঞ্চাশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ।

চামায়াঙ্খেতরুকশুবা অধ্যায়

(শ্রীকৃষ্ণনা মথা অমুক্ ভাঙথবগী মতাং)

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ ;

একবীরবধে মোঘা শক্তিঃ সূতাত্মজে যদা। কস্মাৎ সর্ব্বান্ সমুৎসৃজ্য স তাং পার্থে ন মুক্তবান্ ॥১॥
তস্মিন্ হতে হতা হি স্যুঃ সর্ব্বে পাণ্ডবসৃঞ্জয়াঃ। একবীববধে কস্মাদ্‌যুদ্ধে ন জয়মাদধে ॥২॥
আহূতো ন নিবর্ত্তেয়মিতি তস্য মহাব্রতম্। স্বয়মাহ্বয়িতব্যঃ স সূতপুত্রেণ ফাল্গুনঃ ॥৩॥
ততো দ্বৈরথমানীয় ফাল্গুনং শক্রদত্তয়া। ন জঘান বৃষঃ কস্মাত্তন্মমাচক্ষ্ব সঞ্জয়! ॥৪॥

ধৃতরাষ্ট্রনা হায়ঃ—সঞ্জয়! ঐনা চিংনবা অম লৈরে। ইন্দ্রনা পীবা তা অহুদি মীশক অমত্তাংতবু হাৎলগা অদুম্ অরেম্বদা তাপ্রগদবনি হায়বসি খঙ্না খঙ্না করিগীদমক কর্ণনা তা অহু অর্জুন মথক্ত শীজিয়খিদ্রিবনো? ॥১॥ অর্জুন অমতবু চাৎপদা পাণ্ডব, পাঞ্চাল সৃঞ্জয় লোইনা শিরবগুম্বনি হায়বসি কর্ণ মাস্থ মথভিঙবনি। কর্ণনা তা অতুনা অর্জুনবু হাৎহল্লগা ঈচা দুর্য্যোধননা জয় ওইননব হোৎনহৌদ্রিবসি করিগীনো? ॥২॥ "কনাগুম্বনা ঐবু লান্দা কৌথোক্ল্না শীংনরবদি মাবু হাত্তনাহল্লোই" হায়বসি অর্জুনগী চাউপ্রবা রাশক অমনি। মাস্থ খঙ্দুনা কর্ণনা মশামক্লা অর্জুনবু লান্দা শীংনহুনা কৌথোকপা য়ারম্বনি ॥৩॥ সঞ্জয়! কর্ণনা কারগীদমক অর্জুনবু

নূনং বুদ্ধিবিহীনশ্চাপ্যসহায়শ্চ মে সুতঃ। শক্রভির্ব্যংসিতোপায়ঃ কথং স নু জয়েদ্বীন্ ॥৫॥
যা হ্যস্য পরমা শক্তির্জয়স্য চ পরায়ণম্। সা শক্তির্বাসুদেবেন ব্যংসিতাস্য ঘটোৎকচে ॥৬॥
কুণের্যথা হস্তগতং হ্রিয়েদ্বিল্বং বলীয়সা। তথা শক্তিরমোঘা সা মোঘীভূতা ঘটোৎকচে ॥৭॥

যথা বরাহস্য শুনশ্চ যুধ্যতোস্তয়োরভাবে শ্বপচস্য লাভঃ।
মন্যে বিদ্বন্! বাসুদেবস্য তদ্বদ্‌যুদ্ধে লাভং কর্ণহৈড়িম্বয়োর্বৈ ॥৮॥
ঘটোৎকচো যদি হন্যাদ্ধি কর্ণং পরো লাভঃ স ভবেৎ পাণ্ডবানাম্।
বৈকর্ত্তনো বা যদি তং নিহন্যাত্তথাপি কৃত্যং শক্তিনাশাৎ কৃতং স্যাৎ ॥৯॥
ইতি প্রাজ্ঞঃ প্রজ্ঞয়ৈতদ্বিচিন্ত্য ঘটোৎকচং সূতপুত্রেণ যুদ্ধে।
অঘাতয়দ্বাসুদেবো নৃসিংহঃ প্রিয়ং কুর্ব্বন্ পাণ্ডবানাং হিতঞ্চ ॥১০॥

মুখামুখি ওইবা লালকমদা কৌথোক্লগা অর্জ্জুনবু তা অহুনা হাৎখিদনা করিগীনো? ॥৫॥ সঞ্জয়! দুর্য্যোধন হায়বসি মশাগী মবুদ্ধি লৈতবা মী অমনি, অদুগা মণ্ডোন্দা বুদ্ধি উপায়শু তারুনবা মীশকস্ত লৈতে, অসিগী মথক্তা য়েক্লবশিংনা উপায়শিং খব লৈবদুস্ত থোক থোক মাঙহল্লকলি। অদুনদি কদাযদগীনো মানা য়েক্লবশিংবু ঙমগদবা? ॥৫॥ কর্ণগীমশাদা তা অম লৈবম্বদুস্ত কৃষ্ণনা ঘটোৎকচ হাৎপদা শীজিন্নহনখে। লাল অসিগী জযগী আশাপূম্বা তা অদুগী মথক্ত লৈরম্লবনি ॥৬॥ মথুং তেকপা মীগী মখুত্ত লৈবা হরিখাগোক মচৈবু মপাঙ্গল কনবা মথুং তেক্কবা অমনা মুনখি। মশাদা লৈনা লৈনা উচৈদুনা কাম্নদবগুম্না ঘটোৎকচ হাৎপদা অমাঙঅতা লৈত্রবা থুৎলায় অম ওইরবস্ত তা অত্ত তোগদব মরু ওইবা থবক্তদি কান্নদবা ওইরে ॥৭॥ অশিংবা সঞ্জয়! ওক তানবা শাদানবনা মাগী শাহূই থাজিন্দুনা চীক্লহন্‌বদা অনীনা কম্না থেংনরক্পদা, অনীদুগী মন্নুংদা অম শিগ্রবস্ত শাদানবা অদুদি অদুম্ মকান্নবা অদুগুম্না ঘটোৎকচ কর্ণ অনীগী মন্নুংদা কর্ণ শিগ্রবস্ত ঘটোৎকচ শিগ্রবস্ত কৃষ্ণদদি ঈকাস্ত কান্নে। মরম্‌দি ঘটোৎকচ শিগ্রবস্ত তা অদুস্ত অদুম্ মশিগ্রে। কর্ণ শিরম্লবস্ত কান্নে, শিরম্ত্রবস্ত তাদি শিগ্রবনিনা কৃষ্ণদদি অদুম্ মকান্নে-তোংঙি ॥৮॥ অদুগা ঘটোৎকচনা কর্ণবু হাৎলম্‌লবাদ পাণ্ডবশিংগী য়াম্ন তোংজগ্রবা অমনি। অদুগা ঘটোৎকচনা শিগ্রবস্ত তা অদুত মাঙননবা হোৎনরকপা, কৃষ্ণগী নীতিদি মহে ম্লানগ্রে* ॥৯॥ শিংলবা হৈরবা কৃষ্ণনা

---

*টীকা:—থবক অম্ন শোয়গ্রবস্ত থবক্ অমদা কান্নহৌরবদি মাদু শীল্লিবা মী অদু থর মশিংলবনি। থবক্ অনীমক্ শোয়গ্রবকাণ্ডবদা মাঙোন্দদি তোংননবা অম শীল্লিবা মী অদু থ্বাইদগী অশিংবনি। য়েক্লবগী মায়গৈদা লৈবা মীশক-পোৎশক কাওববু মাগী থুৎলায়-উপায় ওইহন্দুনা থবক্ পাঙথোকপা ঙমবদু মহাজ্ঞানীনি। অর্জ্জুনদি য়েক্লব অমবু হাংকে, মীঙোন্দা হিংসা তৌরুগে হায়দুনা পোৎ (থুৎলায়) অমতং কংননবা তপস্যা অমত তৌখিদে। কর্ণনা মী মাঙননবা তপস্যা তৌরবনা কৃষ্ণনা অধর্ম্মগী পক্কদা য়াওদে। অদুনা "যতো ধর্ম্ম স্ততো জয়ঃ" হায়বদি "যতঃ কৃষ্ণ স্ততো জয়ঃ" হায়বগুম্বনি।

সঞ্জয় উবাচ।

এতচ্চিকীর্ষিতং জ্ঞাত্বা কর্ণস্য মধুসূদনঃ। নিযোজয়ামাস তদা দ্বৈরথে রাক্ষসেশ্বরম্ ॥১১॥
ঘটোৎকচং মহাবীর্য্যং মহাবুদ্ধির্জনার্দ্দনঃ। অমোঘায়া বিঘাতার্থং রাজন্! দুর্ম্মন্ত্রিতে তব ॥১২॥
(যুগ্মকম্)

তদৈব কৃতকার্য্যা হি বয়ং স্যাম কুরূদ্বহ!। ন রক্ষেদ্‌যদি কৃষ্ণস্তং পার্থং কর্ণান্মহারথাৎ ॥১৩॥
সাশ্বধ্বজরথঃ সংখ্যে ধৃতরাষ্ট্র! পতেদ্ভুবি। বিনা জনার্দ্দনং পার্থো যোগানামীশ্বরং প্রভুম্ ॥১৪॥
তৈস্তৈরুপায়ৈর্বহুভী রক্ষ্যমাণঃ স পার্থিব!। জয়ত্যভিমুখঃ শত্রূন্ পার্থঃ কৃষ্ণেন পালিতঃ ॥১৫॥
সবিশেষং ত্বমোঘায়াঃ কৃষ্ণোঽরক্ষত পাণ্ডবম্। হন্যাৎ ক্ষিপ্তা হি কৌন্তেয়ং শক্তির্বৃক্ষমিবাশনিঃ ॥১৬॥

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ।

বিরোধী চ কুমন্ত্রী চ প্রাজ্ঞমানী মমাত্মজঃ। যস্যৈষ সমতিক্রান্তো বধোপায়োঽর্জ্জুনং প্রতি ॥১৭॥
স বা কর্ণো মহাবুদ্ধিঃ সর্ব্বশস্ত্রভৃতাং বরঃ। ন মুক্তবান্ কথং সূত! তামমোঘাং ধনঞ্জয়ে ॥১৮॥

অসি পূম্নমক্ অসি মুন্না রাখলবিচার তৌত্তুনা, পাণ্ডবশিংগী কননবগীদমক্ত কর্ণ থাজিন্দুনা ঘটোৎকচবুনা হাৎহনখিবনি। অশিংবা কৃষ্ণগী মকমদদি কর্ণসু কাইনে, ঘটোৎকচসু কাইনে ॥১০॥ সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ! মসি পূম্নমক্ অসি থোকৃহল্লবদি মহারাজতননি। মহারাজগী কুমন্ত্রনাদগী কর্ণনা অসিগুম্বা হিংসাগী থবক্ অম তৌগদৌরে হায়বসি মহাবুদ্ধিমান্ ওইরবা কৃষ্ণনা হান্ন খঙদোক্‌খিত্তুনা ইন্দ্রনা পীরকপা তা অদুবুসু অরেম্বদা মাঙদবা হায়বদুসু ওইহন্‌গে, অদুগা লান্দ্রবা-পাপকী শরুক্ য়াওদ্রবা অর্জ্জুনবুসু কন্‌গে হায়দুনা অদুগা যজ্ঞ তপস্যা কয়া থুগাইরকপা ঘটোৎকচবুসু মাঙহন্‌গে হায়দুনা, ঐগী-মীগী থায়দবা কৃষ্ণনা কর্ণগী মকমদা ঘটোৎকচবু থাজিনখিবনি ॥১১-১২॥ কৌরব অথোইবা মহারাজ! কৃষ্ণনা কারিগুম্বা মহারথী কর্ণগী মখুত্তগী অর্জ্জুনবু কল্লমন্দ্রবাদ ঐখোয়সু ঐখোয়গী পাপকী থবক্ অম পানখৎলকলিবসে মহৈ চাহুনা মহাপাপ অম ভোগ তৌরম্মগদবনি। অদুনা মহারাজ! কৃষ্ণনা তৌরিবসি মহারাজখোয় ঐখোয়গীসু কান্নবা হায়না খল্লি ॥১৩॥ মহারাজ! যোগেশ্বর ওইবা কৃষ্ণ হেক মরৈরম্‌দ্রবদি অর্জ্জুনদি মাগী শগোল্ রথ কিয়ালগা লোয়ননা লৈমায়ণক্তা তুরম্মগদবনি ॥১৪॥ অদুবু, উপায় মখল্ কয়া কয়ানা ঙাকশেনবা, কৃষ্ণ মশামক্ত ঙাকলো ওইবা অর্জ্জুননা জয়ত ওইদুনা লাক্লিবসিনি ॥১৫॥ কর্ণগী তাগী মচীন্দগী অর্জ্জুনবু কন্‌বদি কৃষ্ণননি। নত্রবাদি বজ্রনা উপাম্বী থায়থবগুম্ কর্ণগী তানা অর্জ্জুনবু থায়থরম্মগদবনি ॥১৬॥ ধৃতরাষ্ট্রনা হায়ঃ—সঞ্জয়! ঐগী ঈচা দুর্য্যোধন হায়বসে ঐনা নীঙগক নীঙগকপগী বিরুদ্ধদা লৈবা মীনি। অদুগা মশানা মশাবু য়াম্ন শিংবা হৈবা মীনি হায়নসু খল্লদুনা লৈরিবনি অসিগী মথক্ত, মাগী রাতানকম্ ওইরিবা মন্ত্রীশিং অসি হায়রা মহাকত্তবা, পূকচেল্ পীকপামক্তনি। মখোয় অদুক য়াম্ন লৈববু অর্জ্জুন হাৎননবা করবা উপায় অদুমক্তবু নাম্বোকহন্‌খি ॥১৭॥ সঞ্জয়!

তথাপি সমতিক্রান্তমেতদ্‌গাবল্গণে। কর্ণম্। এনমর্থং মহাবুদ্ধে। যত্ত্বয়া নাববোধিতঃ ॥১৯॥

সঞ্জয় উবাচ।

দুর্য্যোধনস্য শকুনের্মম দুঃশাসনস্য চ। রাত্রৌ রাত্রৌ ভবত্যেষা নিত্যমেব সমর্থনা ॥২০॥
শ্বঃ সর্ব্বসৈন্যান্যুৎসৃজ্য জহি কর্ণ। ধনঞ্জয়ম্। প্রেষ্যবৎ পাণ্ডুপাঞ্চালানুপভোক্ষ্যামহে ততঃ ॥২১॥
অথবা নিহতে পার্থে পাণ্ডুষন্যতমং ততঃ। স্থাপয়েদ্‌যদি বার্ষ্ণেয়স্তস্মাৎ কৃষ্ণো নিহন্যতাম্ ॥২২॥
কৃষ্ণো হি মূলং পাণ্ডূনাং পার্থঃ স্কন্ধ ইবোদ্‌গতঃ। শাখা ইবেতরে পার্থা পাঞ্চালঃ পত্রসংজ্ঞিতাঃ ॥২৩॥
কৃষ্ণাশ্রয়াঃ কৃষ্ণবলা কৃষ্ণনাথাশ্চ পাণ্ডবাঃ। কৃষ্ণঃ পরায়ণঞ্চৈষাং জ্যোতিষামিব চন্দ্রমাঃ ॥২৪॥
তস্মাৎ পর্ণানি শাখাশ্চ স্কন্ধঞ্চোৎসৃজ্য সূতজ।। কৃষ্ণং নিকৃন্ত পাণ্ডূনাং মূলং সর্ব্বত্র সর্ব্বদা ॥২৫॥
হন্যাদ্‌যদি হি দাশার্হং কর্ণো যাদবনন্দনম্। কৃৎস্না বসুমতী রাজন্। বশে তে স্যান্ন সংশয়ঃ ॥২৬॥

হৌজিক্তি হায়রো, মহাবুদ্ধি লৈববা, থুৎলায় পুম্বা হৈরবা, মীৎলৈ নারৈ খঙলবা কর্ণনা কয়িগী-দমকত অস্রক কুইনা, তা অদুনা অর্জ্জুনবু হাত্তনা লৈরম্রিবসিনা ক'য়িগীনো? ॥১৮॥ "অদুগা সঞ্জয়! নগাকস্য শিংলবা, তুংদখোক্লগদবা অ-কদায়কাওবা উরবা মীশক অমনি। লাল্ অদুদা নখোযম্ম মরৈরিবনি; অদুবু নংকাওবা কৈদৌনা রা অসি কর্ণদা খঙহনখিদবগে?" ॥১৯॥

সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ! ওস্তোকপঃ রা হায়বদুনি, তাবিয়ুঃ—মুমিং থুদং অ'হংদা লালশঙদা, পোথাবা মতমদা দুর্য্যোধন, দুঃশাসন, শকুনি অদুগা সঞ্জয়-ঐ ঐখোয় মরিসি-কর্ণদা হয়েংদি—"কর্ণ! নহাক অতৈ পুমনমক থাদোক্লুনা অর্জ্জুনতবু হাৎননবা তৌ" অস্যুম্ হায়সিকে। হায়দুনা তাম্নবনি। অসিদগী হেন্দোকতুনা কর্ণদা ঐখোয়না হায়সিকো হায়দুনা তাম্নবসি কয়ি করিনো হায়বদা "কর্ণ! অর্জ্জুনবু মহাৎলবদি পাণ্ডবশিং অদুগা পাঞ্চালশিং অসে ঐখোয়গী মীনায় ওইরগদবনি। অদুগা কর্ণ! অর্জ্জুনশিপ্রবদি কৃষ্ণ হায়বা অসিনা লৈহৌবিবা পাণ্ডব মরিগী মনুংদা অমবু নিংথৌ হাপখিবা তাই। অদুনা নহাক নংগী তা অসিনা খ্বাইগী মরু কৃষ্ণবু হাৎকে হাৎহৌ। মরমদি কৃষ্ণ হায়বসে উপাম্বীগী মশক ওইববা পাণ্ডবশিংগী মরুনি। অর্জ্জুননা উপাম্বীদুগী চাউরবা লোংথোকলিবা মশা অদুনি, অতৈ পাণ্ডবশিংনা মশামরেংনি। পাঞ্চাল সৃঞ্জয় লাম্মীশিংনা মনামপাল মক্তনি। অদুনা রাংচাউরবা উপাম্বীসিগী লৈমুংদা তুমিন্না ময়াম্সিবু য়োক্তুনা ঙাকতুনা লৈরিবদি কৃষ্ণ অসিতনা থরানমিচাকশিংগী মকমদা থানা ওই বিবসিগুম্না কৃষ্ণনা পাণ্ডবশিংগী মকমদা ওইদুনা লৈরি। অদুনা কর্ণ! মশামরেং ময়াম্ অসি য়াম্লুগ-দবগী-কবলুগদবগী শরুকপুদি খ্বাইমরু কৃষ্ণ অসে অসিত ফুকতোকতুনা লংথোকখো।" ॥২০-২৫॥ মহারাজ! ঐ(সঞ্জয়)না নচাঈবুত্তো দুর্য্যোধনদস্যু অস্যুমা হেক্ হেক হায়বনিঃ—"নিংথৌ! কর্ণ মহাবীর অসিনা যাদবনন্দন কৃষ্ণবু হাৎলবদি পৃথিবী অপুম্বসে নংগী নখা পোল্লবনিদো। মসিদা

যদি স নিহতঃ শয়ীত ভূমৌ যদুকুলপাণ্ডবনন্দনো মহাত্মা।
ননু তব বসুধা নরেন্দ্র! সর্ব্বা সগিরিসমুদ্রবনা বশং ব্রজেত ॥২৭॥

সা তু বুদ্ধিঃ কৃতাপ্যেবং জাগ্রতি ত্রিদশেশ্বরে। অপ্রমেয়ে হৃষীকেশে যুদ্ধকালে ব্যমুহ্যত ॥২৮॥
অর্জ্জুনঞ্চাপি রাধেয়াৎ সদা রক্ষতি কেশবঃ। ন হ্যেনমৈচ্ছৎ প্রমুখে সৌতেঃ স্থাপয়িতুং রণে ॥২৯॥
অন্যাংশ্চাস্মৈ রথোদারানুপাস্থাপয়দচ্যুতঃ। অমোঘাং তাং কথং শক্তিং মোঘীকুর্য্যামিতি প্রভো ॥৩০॥
যশ্চৈব রক্ষতে পার্থং কর্ণাৎ কৃষ্ণো মহামনাঃ। আত্মানং স কথং রাজন্! ন রক্ষেৎ পুরুষোত্তমঃ ॥৩১॥
পরিচিন্ত্য তু পশ্যামশ্চক্রায়ুধমরিন্দমম্। ন সোঽস্তি ত্রিষু লোকেষু যো জয়েত জনার্দ্দনম্ ॥৩২॥
ততঃ কৃষ্ণং মহাবাহুং সাত্যকিঃ সত্যবিক্রমঃ পপ্রচ্ছ রথশার্দ্দূলঃ কর্ণং প্রতি মহারথঃ ॥৩৩॥
অয়ঞ্চ প্রত্যয়ঃ কর্ণে শক্ত্যাচামিতবিক্রমা। কিমর্থং সূতপুত্রেণ ন মুক্তা ফাল্গুনে তু সা ॥৩৪॥

বাসুদেব উবাচ।

দুঃশাসনশ্চ কর্ণশ্চ শকুনিশ্চ সসৈন্ধবঃ। সততং মন্ত্রয়ন্তি স্ম দুর্য্যোধনপুরোগমাঃ ॥৩৫॥

করিস্থ চিংনকম্ লৈত্রবনি ॥২৬॥ অদুগ নিংথৌ! যদুবংশগী পাণ্ডবশিংগীস্থ নুংঙাইনকম্ ওইরবা কৃষ্ণনা মমীৎ হেক্ উইশিনখিবদা চীঙ-মান ভুরেলনা থল্লবা পৃথিবী মপুম অসি নংগী ওইহুনা সার্ব্বভৌমাপতি হায়বদু ওইরবনিদো" ॥২৭॥ অসুম হায়না অহিং থুদিংগী হায়গে তৌগে থম্লবা, অদুগা হায়রিবা পুম্বসি মহারাজ! হেক্ নোংঙানবগা খোখোপ্না খঙলম্বা তারবা দেবদেব ওইরবা কৃষ্ণনা হেক্ত কাউহনবগুম্বা অমা হেক্ হেক্ তৌমাল্লে ॥২৮॥ কৃষ্ণনা অর্জ্জুনবু কর্ণগী মথুত্তগী কন্নবতা শরৌ শীন্দুনা লৈরিবনি। অধুনা, কৃষ্ণনা অর্জ্জুনবু কর্ণগী নাক্তথক থাজিন্দে ॥২৯॥ মহারাজ! কৃষ্ণনা কর্ণগী তা অহুতা অরেম্বদা মাঙহনগদবগী, মহারথী অতৈ অতৈবু কর্ণগীনাক্ত থাজিল্লি। অর্জ্জুনতবুদি মথাজন্দ্রে ॥৩০॥

অদুনা মহারাজ! পুকচেল্লচাউরবা কৃষ্ণনা কর্ণগী মথুত্ত শিরগদবা অর্জ্জুনবু কন্বিখি। অদুম্ ওইবা পুরুষোত্তম ওইবা মতান্ন মহারাজবুদি করিগী কনাবিরোই? ॥৩১॥ ঐখোয়না য়াম্না কুপ্প বিচার তৌদুনা য়েংবদা চক্রধারী ওইবা, য়েক্নববু ভম্বা কৃষ্ণতবু ভমৃগদবা মীশকসে মরোল্ অহুমদা লৈতে ॥৩২॥ মহারাজ! অদুগী তুংদা থাঙ্গৈশেংনা কল্লবা, রথি অপোইবা, মহারথী সাত্যকিনসু কর্ণগী মরম্দা কৃষ্ণদা হংখি:—"কৃষ্ণ! কর্ণনা মাঙোন্দা লৈরিবা তা অদুনা কনাগুম্বা অমবুদি শোয়দনা হাৎলগনি হায়বসি খঙনা খঙনা, অর্জ্জুনবুসু হাৎকে রাশকলিবা মানা করিগীদমক অর্জ্জুনদা শীজিন্নখিদ্রিবনো?" ॥৩৩-৩৪॥ কৃষ্ণনা হায়:—"দুর্য্যোধন, দুঃশাসন, কর্ণ, শকুনি, জয়দ্রথ মখোয় মঙা অসিনসু ততনা অশুয়া লোম্ন রাতান্নৈ কর্ণ! কর্ণ! অকনবা! লালঙম্বগী অখোইবা! তা অসে, নহাক্না অর্জ্জুনদ নগুনা কনা অমগী মথক্ত লংগদুকো! ত্তা অসিনা নত্তনা নংনা

কর্ণ ! কর্ণ ! মহেষ্বাস ! রণেঽমিতপরাক্রম ! । নাস্তস্য শক্তিরেষা তে মোক্তব্যা জয়তাং বর ! ॥৩৬॥
ঋতে মহারথাৎ কর্ণ ! কুন্তীপুত্রাদ্ধনঞ্জয়াৎ । স হি তেষামতিযশা দেবানামিব বাসবঃ ॥৩৭॥

(যুগ্মকম্)

তস্মিন্ বিনিহতে পার্থে পাণ্ডবাঃ সৃঞ্জয়ৈঃ সহ । ভবিষ্যন্তি গতাত্মানঃ সুরা ইব নিরগ্নয়ঃ ॥৩৮॥
তথেতি চ প্রতিজ্ঞাতং কর্ণেন শিনিপুঙ্গব ! । হৃদি নিত্যঞ্চ কর্ণস্য বধো গাণ্ডীবধন্বনঃ ॥৩৯॥
অহমেব তু রাধেয়ং মোহয়ামি যুধাং বর্ম্ । ততো নাবাসৃজচ্ছক্তিং পাণ্ডবে শ্বেতবাহনে ॥৪০॥
ফাল্গুনস্য হি তং মৃত্যুমনিবার্য্যং বিজানতঃ । ন নিদ্রা ন চ হর্ষো মে মনসোঽস্তি যুধাং বর ! ॥৪১॥
ঘটোৎকচে ব্যংসিতাং তু দৃষ্ট্বা তাং শিনিপুঙ্গব ! । মৃত্যোরাস্যান্তরান্মুক্তং পশ্যাম্যদ্য ধনঞ্জয়ম্ ॥৪২॥
ন পিতা ন চ মে মাতা ন যূয়ং ভ্রাতরস্তথা । ন চ প্রাণাস্তথা রক্ষ্যা যথা বীভৎসুরাহবে ॥৪৩॥
ত্রৈলোক্যরাজ্যাদ্‌যৎকিঞ্চিত্তবেদন্যৎ সুদুর্লভম্ । নেচ্ছেয়ং সাত্বতাহং তদ্বিনা পার্থং ধনঞ্জয়ম্ ॥৪৪॥
অতঃ প্রহর্ষঃ সুমহান্ যুযুধানাদ্য মেঽভবৎ । মৃতং প্রত্যাগতমিব দৃষ্ট্বা পার্থং ধনঞ্জয়ম্ ॥৪৫॥

করিগুম্বা খুৎলাযন অর্জ্জুনবু হাৎপা ঙম্মোই । লাইয়ামগী মনুংদা ইন্দ্রনা লৈবগুম্ পাণ্ডবশিংগী মনুংদা মিংচৎচাউরবা অর্জ্জুননা লৈরিবনিকো । অর্জ্জুনবু শিথরবদি পাঞ্চাল্ সৃঞ্জয়শিংগা লোয়ননা পাণ্ডবশিংদা তেজ লৈত্রবা লাইয়াম্‌গুম্না লোইনা মথ্বাই পাজরগদবনি" ॥৩৫-৩৮॥ "অদুনা শিনিবংশগী অথোইবা (সাত্যকি) ! মখোযনা অসুম্না তানবসিদা কর্ণসু "করে, মাদুমক তৌব তাই" হাযনা রাশকখিবনি । অদুগা তা অতনসু অর্জ্জুনগী মথ্বাই লোগে হাযনা চপ মুংনা খনগ্রবা কর্ণনি ॥৩৯॥ অদুবু কৃষ্ণ ঐনা কর্ণগী রাথল অদুবু লালকম্‌দা হেকহেক কাউহনবনি । অদুমক্তনা কর্ণনা ভূল তৌখিদুনা অর্জ্জুনদা তা অদু লংশিনদে" ॥৪০॥ "লাম্নী অথোইবা (সাত্যকি) ! কর্ণদা লৈরিবা তা অসিগী মচীন্দা অর্জ্জুন অসিবু শোযদনা মথরাই থারগত্রা হায়বসি খল্লুবদা ঐ নহাল মথৈ মীৎনামত উইশিলবা য়াংম্মুত্রবনি । চাবথকপদা মহাউ করিমতা খঙত্রবনি ॥৪১॥ অদুবু শিনিবংশগী অথোইবা (সাত্যকি) ! ইন্দ্রনা পাবা কর্ণগী তা অদু ঘটোৎকচগা কোয়্‌না মাঙখিবদু হেক্ উবদা অর্জ্জুন আস অ'শবগী থবাক্তগী নাম্থোক্‌লেদনা হায়না খল্লিবনি ॥৪২॥ অকনবা ঐ অশেংবা হায়গে :—কৃষ্ণ ঐনা ঐগী ঈমা ঈপা ঈচিন ঈনাও অদুগা শাগৈনাতৈ নথোয়্ থ্বাইবু কনফম্ থোকপা অমদি কন্নবা হোৎনবগীসু অর্জ্জুনসিমতবু কনকম্ থোকপদা অদুগা কন্নবা ! হোৎনবনা শরুক্ চাম তেল্লি । কাব অমুক হাযগনি, কৃষ্ণ ঐনা ঈশামক্কী থরাইবু কনকম্ থোকপা অতুদগীসু ঐঙোন্দদি অর্জ্জুনবু কনকম্ থোকপনা শকক্ য়াম্না হোল্লি ॥৪৩॥ সাত্বতবংশগী অথোইব ! মরোল অদুমগী বাজ্যাসিংহাসনবু অতুদগী হেন্দোকতুনা জগত্ত থ্বাইদগী দুর্ল্লভ ওইবা পোৎপুসু অর্জ্জুনবু নত্তনা ঐ করিমতা পামজদে ॥৪৪॥ অদুনা যুযুধান (সাত্যকি) ! থরাইদগী হেন্না সুংশিজরবা পৃথানন্দন অর্জ্জুননা ডাস অশিবগী লৈপাক্ যমপুর য়োক্লুরবদগী হল্লকপগুম্না লৈবাসি

অতশ্চ প্রহিতো যুদ্ধে ময়া কর্ণায় রাক্ষসঃ। ন হ্যন্যঃ সমরে রাত্রৌ শক্তঃ কর্ণং প্রবাধিতুম্ ॥৪৬॥

সঞ্জয় উবাচ।

ইতি সাত্যকয়ে প্রাহ তদা দেবকিনন্দনঃ। ধনঞ্জয়হিতে যুক্তস্তৎপ্রিয়ে সততং রতঃ ॥৪৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং দ্রোণপর্ব্বণি

ঘটোৎকচবধে কৃষ্ণবাক্যে ষট্‌পঞ্চাশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ।০। *

উবদা ঐগী খন্নোয়দা সুংঙাইবগী ওমখৈ লৈখিদে ॥৪৫॥ মরম অসিমক্তনা ঐনা কর্ণগী মকমদা ঘটোৎকচবু থাজিনখিবনি, মরমদি অহিংগী লান্দা কর্ণবু কনা অমত্তনা থিংবা ওন্নোইদৌবনি" ॥৪৬॥ সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ! মতম পুম্বদা অর্জ্জুনগী কান্নবত খল্লিব', মাগীকননবত শীল্লিবা কৃষ্ণনা মত্তৌঅসুম্না সাত্যকিদা হায়খ্রুনা সাত্যকিগী চিংন্দবা কোকহনখি ॥৪৭॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা দ্রোনপর্ব্বদা "ঘটোৎকচবধকী মতুংদা শ্রীকৃষ্ণবাক্যগী চাময়াঙ্খেতরুকগুবা অধ্যায় লোইরে।

শ্রীমহাভারতম্

সপ্তপঞ্চাশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ।

চাময়াখৈতরেৎশুবা অধ্যায়

(ঘটোৎকচ লৈখিদবগী রানরিঙৈদা ব্যাস লাকৃপা)

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ। *

ভূয় এব তু মে শংস যথা যুদ্ধমবর্ত্তত। কুরূণাং পাণ্ডবানাঞ্চ হৈড়িম্বে নিহতে তদা ॥১॥
যে চ তেঽভ্যদ্রবন্ দ্রোণং যুঢ়ানীকাঃ প্রহারিণঃ। সৃঞ্জয়াঃ সহ পাঞ্চালৈস্তেঽপ্যকুর্ব্বন্ কথং রণম্ ॥২॥
সৌমদত্তের্বধাদ্দ্রোণমায়ান্তং সৈন্ধবস্য চ। অমর্ষাজ্জীবিতং ত্যক্ত্বা গাহমানং বরূথিনীম্ ॥৩॥
জৃম্ভমাণমিব ব্যাঘ্রং ব্যাত্তাননমিবান্তকম্। কথং প্রত্যুদ্যযুর্দ্রোণমস্যন্তং পাণ্ডুসৃঞ্জয়াঃ ॥৪॥
(যুগ্মকম্)
আচার্য্যং যে চ তেঽরক্ষন্ দুর্য্যোধনপুরোগমাঃ। দ্রৌণিকর্ণকৃপাস্তাত! তে চাকুর্ব্বন্ কিমাহবে ॥৫॥
ভারদ্বাজং জিঘাংসন্তৌ সব্যসাচিবৃকোদরৌ। সমাচ্ছ্র্মামকা যুদ্ধে কথং সঞ্জয়! শংস মে ॥৬॥
সিন্ধুরাজবধেনেমে ঘটোৎকচবধেন তে। অমর্ষিতাঃ সুসংক্রুদ্ধা রণং চক্রুঃ কথং নিশি ॥৭॥

সঞ্জয় উবাচ।

হতে ঘটোৎকচে রাজন্! কর্ণেন নিশি রাক্ষসে। প্রণদৎসু চ হৃষ্টেষু তাবকেষু যুযুৎসুষু।
আপতৎসু চ বেগেন বধ্যমানে বলেঽপি চ ॥৮॥

ধৃতরাষ্ট্রনা হায়ঃ—সঞ্জয়! ঘটোৎকচ হাৎথ্রবা তুংদা কৌরবপাণ্ডব পক্ষ অনীনা মথা অমুক শোকৃনখিবা লালশিং অদুগী মরমদা লীরো ॥১॥ ব্যূহগী মওংদা তেঙ্গোল শাদুনা দ্রোণগী মায়গৈদা ফৃজিল্লকপা অকনবশিং অদুনা ; অদুগা পাঞ্চালশিংগা লোয়ননা সৃঞ্জয়শিং অদুনা কৌরবলাম্মী-শিংগা করি করম্না থেংনখি ? ॥২॥ ভূরিশ্রবাবু, জয়দ্রথবু হাৎথ্রবা তুংদা মাদুগী অশাউবনা মৈ হৌরবা দ্রোণনা, মথরাই থাবা পাম্মুদনা মখোঙ মখুৎ-মমায়-পোঙখোক্-কন্দোক্লবা, ঙংদুনা চেনশিল্লকপা কৈগুম্না, অদুগা ময়া কাখোক্তুনা হোচ্চিল্লকপা যমরাজগুম্না পাণ্ডবলাম্মীশিংবু নৈখাইবা হৌরক্লবদা অদুগা তেম্না নোং হৈথবগুম্ কাপশিল্লক্লবদা পাণ্ডব পক্ষগী পাণ্ডবশিং পাঞ্চালশিং অদুগা সৃঞ্জয়-শিংনা করম্ হায়না দ্রোণদুগা থেংনখিবগে ? ॥৩-৪॥ সঞ্জয়! অশ্বত্থামা, কর্ণ, কৃপাচার্য্য অদুম্ অসিনা দুর্য্যোধননা মাঙথাদুনা দ্রোণাচার্য্যবু ঙাকশেম্না শেম্না কনা কনাগা থেংনখিবগে ? ॥৫॥ অদুগা সঞ্জয়! ভীম অর্জ্জুন অনীনা দ্রোণবু হাৎকদবগী হোৎনরকপা মতমসিদা ঐখোয়গী কৌরব পক্ষগী করম্ করম্বা অকনবা মখোয় অনীসিবু থিংখিবগে ? ॥৬॥ জয়দ্রথ হাৎখিবগী শাউরবা পাণ্ডবলাম্মীশিংগা, অহিংগী লাল অদু মতৌ করম্ শোক্লখিবগে ? ॥৭॥ সঞ্জয়না হায়ঃ—

বিগাঢ়ায়াং রজন্যাঞ্চ রাজা দৈন্যং পরং গতঃ। অব্রবীচ্চ মহাবাহুর্ভীমসেনমিদং বচঃ ॥৯॥ (যুগ্মকম্)

আবারয় মহাবাহো! ধার্ত্তরাষ্ট্রস্য বাহিনীম্। হৈড়িম্বস্য চ ঘাতেন মোহো মামাবিশন্মহান্ ॥১০॥

এবং ভীমং সমাদিশ্য স রথে সমুপাবিশৎ। অশ্রুপূর্ণমুখো রাজা নিশ্বসংশ্চ পুনঃ পুনঃ ॥১১॥

কশ্মলং প্রাবিশদ্‌ঘোরং দৃষ্ট্বা কর্ণস্য বিক্রমম্। তং তথা ব্যথিতং দৃষ্ট্বা কৃষ্ণো বচনমব্রবীৎ ॥১২॥

মা ব্যথাং কুরু কৌন্তেয়! নৈতত্ত্বয্যুপপদ্যতে। বৈক্লব্যং ভরতশ্রেষ্ঠ! যথা প্রাকৃতপুরুষে ॥১৩॥

উত্তিষ্ঠ রাজন্! যুধ্যস্ব বহ গুর্বীং ধুরং প্রভো। ত্বয়ি বৈক্লব্যমাপন্নে সংশয়ো বিজয়ে ভবেৎ ॥১৪॥

শ্রুত্বা কৃষ্ণস্য বচনং ধর্ম্মরাজো যুধিষ্ঠিরঃ। নিমৃজ্য নেত্রে পাণিভ্যাং কৃষ্ণং বচনমব্রবীৎ ॥১৫॥

বিদিতা মে মহাবাহো! ধর্ম্মাণাং পরমা গতিঃ। ব্রহ্মহত্যাফলং তস্য যঃ কৃতং নাববুধ্যতে ॥১৬॥

অস্মাকং হি বনস্থানাং হৈড়িম্বেন মহাত্মনা। বালেনাপি সতা তেন কৃতং সাহ্যং জনার্দ্দন! ॥১৭॥

মহারাজ! কর্ণনা অহিংগী লাল অত্থদা ঘটোৎকচবু হাংখ্রবত্থদা কৌরবলাম্মী পুম্বনা হন উ-ণু-ভাইখিত্থনা, মপুবীং থোগৎখিত্থনা সিংহনাদ লাউর লাউবত্থনা চঙশিল্লকুলবদা অতুগ পাণ্ডব-লাম্মীশিংবু নৈথাইবা হৌবক্লবদা, অতিংনম্নু যাম্ন থেংজনবতুনা নাংদানগাদৌবা খজিক্তং যাদবদা কল্লবা, ধর্ম্মচল্লবা নিংথৌ যুধিষ্ঠির অসি মরু লুক্না অরাবগী মাগথোং ওইত্থনা চীনবান্ খ্রক খ্রক কংনা মনাও ভীমদা অস্মুন্না হায়ঃ— ॥৮-৯॥ অকনবা! নহাক্না দুর্য্যোধনগী লাম্মাশি অসিবু নৈথাইনবা তৌ। ঈচা ঘটোৎকচ লৈখিদ্রবা অসিদা ঈথাম্বা করিমত্তা জ্ঞান তাদ্রে ॥১০॥ ভীমদা মতৌ অস্মুন্না য়াথং পীরগা, যুধিষ্ঠির অসি মীৎলু অনীত্থ পিনা থুম্‌হৎখিত্থনা, হীরা হীক্না মুংশামপী খবেৎ খবেৎ হোন্দুনা রথ মথক্তা তুমিন্না ফমত্থনা লৈখি ॥১১॥ কর্ণগী অকিবগী মশক ওইরবা মথৌনা-মহৈ অত্থু খল্লবদা নীঙবা কায়বগা লোয়ননা জ্ঞান তারকত্রে। যুধিষ্ঠিরনা রাবসি উবদা কৃষ্ণনা অস্মুম্ হায়বকই ॥১২॥ ভবতবংশগী অথোইবা ধর্ম্মচেম্না কল্লবা মহারাজ! কন্নিগী অত্থপা, রাবিরি, রাবিগনু-লাঙতকনবিগনু। মহারাজনা কবিম্ন লৈতবা মীচম অমগুম্না তন্নাং তশোইনবসে চুমদে ॥১৩॥ মহারাজ! লেঙখৎপিয়ু, য়েক্লবা ওয়বা হৌৎনবিয়ু। চাউববা, মরু ওইবা ভার অমা মহারাজগী কোকথক্তা নন্দুনা লৈরি। মাত্থ পাঙথোক্লবা হোৎনবিয়ু। নিংথৌনা পুক্নীং তন্নাং তশোইননা চিন্তাগী মশক ওইত্থনা লৈথোকখ্রবদি ঐখোয়না জয় ওইবসে য়াম্না চিংনবা কীভম অমদা লাকদৌরে! ॥১৪॥ কৃষ্ণগী রাসি তাবদা যুধিষ্ঠিরনা মীৎলুনীদগী তারকপা পি মরীক মরীকশিং অত্থবু মখুৎ অনীনা তৈথোক তৈথোকতুনা কৃষ্ণদা অস্মুন্না হায়রকই। ॥১৫॥ অকনবা! কৃষ্ণ! ধর্ম্মগী অকুপ্পা গতি অদো, ঐস্নু হাইকেৎ খঙিঃ। মী অমনা তৌ-বিখিবা অত্থবু কাউরবা-নত্রগা কাউশিন্নববা মহাক অত্থুদি ব্রহ্মহত্যাগী পাপ কংই ॥১৬॥ জনার্দ্দন! ঐখোয়না অত্থঙৈ বন চৎপা মতমদা পুকচেল চাউরবা ঘটোৎকচ হায়রবত্থনা ঐখোয়গী য়াম্না

অস্ত্রহেতোর্গতং জ্ঞাত্বা পাণ্ডবং শ্বেতবাহনম্। অসৌ কৃষ্ণ! মহেষ্বাসঃ কাম্যকে মামুপস্থিতঃ।
উষিতশ্চ সহাস্মাভির্যাবন্নসীজ্জনঞ্জয়ঃ ॥১৮॥
গন্ধমাদনযাত্রায়াং দুর্গেভ্যশ্চ স্ম তারিতাঃ। পাঞ্চালী চ পরিশ্রান্তা পৃষ্ঠেনোঢ়া মহাত্মনা ॥১৯॥
আরম্ভাচ্চৈব যুদ্ধানাং যদেষ কৃতবান্ প্রভো।। মদর্থে দুষ্করং কর্ম্ম কৃতং তেন মহাহবে ॥২০॥
স্বভাবাদ্ যা চ মে প্রীতিঃ সহদেবে জনার্দ্দন।। সৈব মে পরমা প্রীতৌ রাক্ষসেন্দ্রে ঘটোৎকচে ॥২১॥
ভক্তশ্চ মে মহাবাহুঃ প্রিয়োঽস্যাহং প্রিয়শ্চ মে। তেন বিন্দামি বার্ষ্ণেয়! কশ্মলং শোকতাপিতঃ ॥২২॥
পশ্য সৈন্যানি বার্ষ্ণেয়! দ্রাব্যমাণানি কৌরবৈঃ। দ্রোণকর্ণৌ তু সংযত্তৌ পশ্য যুদ্ধে মহারথৌ ॥২৩॥
নিশীথে পাণ্ডবং সৈন্যমাভ্যাং পশ্যাবমর্দ্দিতম্। গজাভ্যামিব মত্তাভ্যাং যথা নলবনং মহৎ ॥২৪॥
অনাদৃত্য বলং বাহ্বোর্ভীমসেনস্য মাধব।। চিত্রাস্ত্রতাঞ্চ পার্থস্য বিক্রমং তেজ এব চ ॥২৫॥
(যুগ্মকম্)
এষ দ্রোণশ্চ কর্ণশ্চ রাজা চৈব সুযোধনঃ। নিহত্য রাক্ষসং যুদ্ধে হৃষ্টা নর্দ্দন্তি সংযুগে ॥২৬॥

— — — — — — —

ঈতেং পাংবিখি ॥১৭॥ কৃষ্ণ! অচৌভ অর্জ্জুননা মথন্ত স্বর্গদা খুৎলায় ভথা চৎঙ্গৈদা পুকচেল চাউরবা নিপাসিনা অর্জ্জুননা তল্লকাত্রিফাওবা ঐখোয়বু ঙাকশেন্দুনা লৈখিবনি ॥১৮॥ অচৌভৈ ঐখোয়না গন্ধমাদন চীঙদা চৎভৈদা মহাক্না মী অমনা চৎপা-লাকপা ভঙ্গয়োইদৌবা চীঙঙ্গ্বীদ ঐখোয়বু পুত্রন লমজিংত্নুনা চৎগি, লম্বী চৎপদা রারবী, চোকখবনা চৎপা ভমক্রনী দ্রৌপদীবু মানা মনঙ্গন্দা পোত্তনা পুখদে ॥১৯॥ ঈবুঙো! কৃষ্ণ! লাল হৌক হৌভৈদগী ঘটোৎকচ হায়বসিনা অতকপা আকবা থবক কয়া কয়া ঐখোয়গীদমক তৌখিদে। লাল অহিদা মহার ঐখোয়গী-দমক্ত কাল্লনবা যায়া তৌখিবম্মী ॥২০॥

জনার্দ্দন! ঈনাও অতোম্ব সহদেববু নুংশিবা অদুম্প রাক্ষসনংশগী নীঙেংন্দা পোক্পা ঘটোৎকচবু নুংশিজবানি ॥২১॥ বৃষ্ণিনন্দন! অকনবা, ঈচা, ঘটোৎকচ হায়বদা ঐগী মহার নুংশিবনি, কিবানি, থাজবানি। ঐসু মহারা নুংশিবা অদুম্প মহাবু নুংশ অতনা মহক লৈখিদবাসগী মৈচাক ঐগী থম্মোয় অসম চাক্থেকাল, ঐ হৌগিদ জ্ঞান কবমত তাখিদে ॥ ২২ ॥ কৃষ্ণ! যেঙু অংঙু। কৌরবলাম্মীশংনা হৌ জক ঐখোয়গী লম্মী শংবু নৈতহৎকাল। অদু মহারথী দ্রোণগা কর্ণগা যাম্ন চেকশন্না লাম্বেংনগদবগী খৌরাং তৌব ॥ ২৩ ॥ মাধব! ... ভীমসেনগী পাঙ্গল, অর্জ্জুনগী মথৌনা অমাদ বিদ্যাবু কদমত উশগুন। আহং নোংযাই মহ ওইশিল্লক্লগী মতম্সিদা দ্রোণকর্ণ অনীনা, ময়ায় কাবনা শাম অনীনা, থম্বালগী বনবু নৈথংপনী মতৌঙম্ন পাণ্ডব লাম্মীশংবু নৈথাইবা হৌরক্লে' ॥২৪-২৫॥ দ্রোণকর্ণ দুর্য্যোধন মখোয় অসন, ঘটোৎকচবু হাৎগ্রাদা, নু ডাইহনাউবগা লোয়ননা সিংহনাদ তোয়ন তে যনা লাউরি ॥২৬॥

কথঞ্চাস্মাসু জীবৎসু ত্বয়ি চৈব জনার্দ্দন ! । হৈড়িম্বঃ প্রাপ্তবান্ মৃত্যুং সূতপুত্রেণ সঙ্গতঃ ॥২৭॥
কদর্থীকৃত্য নঃ সর্ব্বান্ পশ্যতঃ সব্যসাচিনঃ । নিহতো রাক্ষসঃ কৃষ্ণ ! ভৈমসেনির্ম্মহাবলঃ ॥২৮॥
যদাভিমন্যুর্নিহতো ধার্ত্তরাষ্ট্রৈর্দুরাত্মভিঃ । নাসীত্তত্র রণে কৃষ্ণ ! সব্যসাচী মহারথঃ ॥২৯॥
নিরুদ্ধাশ্চ বয়ং সর্ব্বে সৈন্ধবেন দুরাত্মনা । নিমিত্তমভবদ্দ্রোণঃ সপুত্রস্তত্র কর্ম্মণি ॥৩০॥
উপদিষ্টো বধোপায়ঃ কর্ণায় গুরুণা স্বয়ম্ । ব্যায়চ্ছতশ্চ খড়্গেন দ্বিধা খড়্গং চকার হ ॥৩১॥
ব্যসনে বর্ত্তমানস্য কৃতবর্ম্মা নৃশংসবৎ । অশ্বান্ জঘান সহসা তথোভৌ পাষ্ণিসারথী ।
তথেতরে মহেষ্বাসাঃ সৌভদ্রং যুধ্যপাতয়ন্ ॥৩২॥
অল্পে চ কারণে কৃষ্ণ ! হতো গাণ্ডীবধন্বনা । সৈন্ধবো যাদবশ্রেষ্ঠ ! তচ্চ নাতিপ্রিয়ং মম ॥৩৩॥
যদি শত্রুবধো ন্যায্যো ভবেৎ কর্ত্তুং হি পাণ্ডবৈঃ । কর্ণদ্রোণৌ রণে পূর্ব্বং হন্তব্যাবিতি মে মতিঃ ॥৩৪॥
এতৌ মূলং হি দুঃখানামস্মাকং পুরুষর্ষভ ! । এতৌ রণে সমাসাদ্য সমাশ্বস্তঃ সুযোধনঃ ॥৩৫॥
যত্র বধ্যো ভবেদ্দ্রোণঃ সূতপুত্রশ্চ সানুগঃ । তত্রাবধীন্মহাবাহুঃ সৈন্ধবং দূরবাসিনম্ ॥৩৬॥
অবশ্যন্তু ময়া কার্য্যঃ সূতপুত্রস্য নিগ্রহঃ । ততো যাস্যাম্যহং বীর ! স্বয়ং কর্ণজিঘাংসয়া ।
ভীমসেনো মহাবাহুর্দ্রোণানীকেন সঙ্গতঃ ॥৩৭॥

জনার্দ্দন । কৃষ্ণ ! নহাক লৈনলৈনমক অদুগ ঐমক্না হিংদুনা লৈরিঙৈদা কল্লবা, মুংশিল্লরবা ঈচা ঘটোৎকচবু করম্না কর্ণনা হাৎহনখ্রিবনো ! ॥২৭॥ কৃষ্ণ ! কর্ণনা ঐখোয় খ্বাই লৈরিবসিবু করিমত থোশাদনা অর্জ্জুনমক্তা মাঙদা ঘটোৎকচবু হাৎখ্রে ॥২৮॥ কৃষ্ণ ! মুংশিরবা ঈচা অভিমন্যুবু ময়াম্ চঙভুনা হাৎখিব মতমদুদদি অর্জ্জুনদ লালকম্ অদোমদা লৈরমদে ॥২৯॥ মুমিৎ অদুগী লান্দা কত্রবা, পাপী জয়দ্রথদুনা ঐখোয়বু বেঙ্কুগী থোদা থিংদুনা, চঙহন্দনা থমখি । মাদুগী মুমিৎতা মরূওইনা থবক পুবা, খুৎমাবদি দ্রোণ অশ্বত্থামা মপামচানি ॥৩০॥ কৃষ্ণ ! অভিমন্যু হাৎননবগী উপায় অমদি মন্ত্রনা অদো দ্রোণনা তাকাখবনি, খুৎলায় পুম্নমক লৈরকত্রবা কান্দা অভিমন্যুনা মথুত্তা থাঙশাং পাযদুনা মখোয় মযামগা য়াম্নরকপা থিম্নরকপা মতমদা দ্রোণনা ঈচাদুগী থাঙবু থুদেকপখিবানি ॥৩১॥ অভিমন্যুনা অরাবদা তারবা মতমদা, কৃতবর্ম্মানা মুংশিংহৈতবা তমাগরবা মীশক অম ওইদুনা অভিমন্যুগী শগোলশিংবু অদুগা সারথি শোশল তুংদা কপ্পা অনীবু হাৎখি । অতৈদগী মখোয় ময়াম্ চঙদুনা অভাং অদুগী মখ্বাই লৌখ ॥৩২॥ যাদব ! কৃষ্ণ ! মাদুগীদমক্তা অর্জ্জুননা জয়দ্রথবু হাৎখিবদো, ঐনা মাহুদা, থোইনা নুঙাইকবস্ত তৌদে ॥৩৩॥ অদুনা, য়েক্লবা থাঙ্গেশবু হাৎপ হায়বসনা মচুম্নবদি পাণ্ডব ঐখোয়না লোইথোকদোবসি ঈহান হনন্দা দ্রোণকর্ণনীসভুনি হায়বসি ঐগী মতানি ॥৩৪॥ অসিতনা লালকম্ অসিদা ঐখোমন হরাঅনা থাগলবাসগী মরুপ । দুর্য্যোধননা মখোয় অনীসিবু কজবা অমাদ লৌরবসিদা লাল অসি মতাক্লা ওমপান হায়বসিদা চপ্ যুংনা থন্দুনা থাজবগা লোযনন্না ঈনুং নুঙাইনা লৈথোকলে ॥৩॥ মখোয়গা খোঙলোয় লাম্নীশিংগা লোযননা দ্রোণ কর্ণবু অমুক্তদা লোইথোকদবা মকম অদুদা ওংস্তারু লাপ্প লৈত্রবা জয়দ্রথবু অর্জ্জুননা রারেমথৈ হাৎখি ॥৩৬॥ "অদুনা কৃষ্ণ !

এবমুক্ত্বা যযৌ তূর্ণং ত্বরমাণো যুধিষ্ঠিরঃ। স বিস্ফার্য্য মহচ্চাপং শঙ্খং প্রধ্মাপ্য ভৈরবম্ ॥৩৮॥
ততো রথসহস্রেণ গজানাঞ্চ শতৈস্ত্রিভিঃ। বাজিভিঃ পঞ্চসাহস্রৈঃ পাঞ্চালৈঃ সপ্রভদ্রকৈঃ।
বৃতঃ শিখণ্ডী ত্বরিতো রাজানং পৃষ্ঠতোঽন্বয়াৎ ॥৩৯॥
ততো ভেরীঃ সমাজঘ্নুঃ শঙ্খান্ দধ্মুশ্চ দংশিতাঃ। পাঞ্চালাঃ পাণ্ডবাশ্চৈব যুধিষ্ঠিরপুরোগমাঃ ॥৪০॥
ততোঽব্রবীন্মহাবাহুর্বাসুদেবো ধনঞ্জয়ম্। এষ প্রয়াতি ত্বরিতঃ ক্রোধাবিষ্টো যুধিষ্ঠিরঃ।
জিঘাংসুঃ সূতপুত্রস্য তস্যোপেক্ষা ন যুজ্যতে ॥৪১॥
এবমুক্ত্বা হৃষীকেশঃ শীঘ্রমশ্বানচোদয়ৎ। দূরং প্রয়াতং রাজানমন্বগচ্ছজ্জনার্দ্দনঃ ॥৪২॥
তং দৃষ্ট্বা সহসা যান্তং সূতপুত্রজিঘাংসয়া। শোকোপহতসঙ্কল্পং দহ্যমানমিবাগ্নিনা।
অভিগম্যাব্রবীদ্ব্যাসো ধর্ম্মপুত্রং যুধিষ্ঠিরম্ ॥৪৩॥

ব্যাস উবাচ।

কর্ণমাসাদ্য সংগ্রামে দিষ্ট্যা জীবতি ফাল্গুনঃ। সব্যসাচিবধাকাঙ্ক্ষী শক্তিং রক্ষিতবান্ হি সঃ ॥৪৪॥
ন চাগাদ্দ্বৈরথং জিষ্ণুর্দিষ্ট্যা তেন মহারণে। সৃজেতাং স্পর্দ্ধিনাবেতৌ দিব্যান্যস্ত্রাণি সর্ব্বশঃ ॥৪৫॥

ঐ ঈশামক্তা কর্ণবু হাৎকনি। ভীমদি অমরোমদা মাগী লাম্মীশিংগা লোয়ননা দ্রোণগা থেংনম্লনা লৈগ্রমাল্লে। ঐ চৎলে, হৌজিকমক, কর্ণবু হেক্ক হাৎলুরগা লোইরে" ॥৩৭॥ অসি হায়দুনা যুধিষ্ঠিরনা কনাম্ব কনাম্ব ঈতাক তাক্লমদনা লীক্লংতেল পায়খত্তুনা অকিবগী মশক পুদুনা কর্ণ তম্না ফৃজিনখ্রে ॥৩৮॥ মাদু উবদা রথী লিশিং অম, শামু তোংবা লাম্মী চহুম, শগোল তোংবা লাম্মী চামঙানা, অদুগা—পাঞ্চাল-প্রভদ্রকলাম্মীশিংনা ঈকোয় কোয়শিন্দুনা শিখণ্ডীনা যুধিষ্ঠিরগী তু ইন্নখি ॥৩৯॥ অদুদগীদি নিংথৌ যুধিষ্ঠিরনা লাঞ্জ্রংঙকপসিদা পাণ্ডবপক্ষগী পুংশেম্নচিংবা যন্ত্র অদুগা মোইবুং ময়ামগী মখোল্লা লালকম্ অত্ত পূমনিন নিনখি। মতৌ অসুম্না যুধিষ্ঠিরনা মাঙ থাত্তুনা পাঞ্চাললাম্মীশিং অমদি পাণ্ডব লাম্মী অতৈ অতৈনা লানজংখি ॥৪০॥ মতম্ অদুদা বৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা হায়রকই ঃ—অর্জ্জুন। নয়াম্বুং যুধিষ্ঠির আসে শাউমনখিদুনা কর্ণবু হাৎকনি হায়দুনা থুনা য়াঙনা যাত্রা তৌখি! মাসিদা ঐখোয়না তুমন্ন লৈহৌবা চুম্‌দ্রে ॥৪১॥ অসি হায়রগা সারথি কৃষ্ণনা শগোলশিং অদুবু কন্না থৌদুনা অর্জ্জুনবু যুধিষ্ঠিরগী তুংইন্নহল্লকই ॥৪২॥ যুধিষ্ঠির আসনা অয়াবা-নুংঙাইতবা অশাউবনা থুম্‌হৎখিদুনা অশাউবগী মৈনা—থম্মোয় হকচাং চাকৃথেকখিবগুম্ অকিবগী মূর্ত্তি পুরদুনা কর্ণ তম্না চঙশিল্লকপা মতম্‌সিদা কদোমদগীনো। খঙ-হৌদনা বেদব্যাস লাকত্তুনা, যুধিষ্ঠিরবু থৎতুনা অসুম্না হায়রকই ঃ—॥৪৩॥ যুধিষ্ঠির! তপথো, ঙাইখো। কর্ণ লৈনা লৈনা হৌজিক ফাওবা অর্জ্জুননা হিংদুনা লৈরিবসে য়াম্না লাইবক ফরবনি। অর্জ্জুনতবু হাৎকে হায়দুনা কর্ণনা ইন্দ্রনা পীরম্বা তা অদুবু লুনা পুজা তৌদুনা থনম্বনি ॥৪৪॥ হৌজিক ফাওবা অর্জ্জুননা কর্ণগা মুখামুখি ওইনা লাম্বা ওইদুনা মায়োক্লনা থেংনরম্‌দ্রিবসে য়াম্না লাইবক ফরবনি। মরমদি অমনা অমবু হাৎকে হায়না রাশক্লববা; অমগমগা আ-দগী হৌনা শীংনদুনা লাকলিবা অনীসিনা মাগী অরৈ অরৈবা থুৎলায় থাদে কদুনা

বধ্যমানেষু চক্রেষু পীড়িতঃ সুতনন্দনঃ। বাসবীং সমরে শক্তিং ধ্রুবং মুক্তেৎযুধিষ্ঠির!।
ততো ভবেত্তে ব্যসনং ঘোরং ভরতসত্তম।।৪৬।
দিষ্ট্যা রক্ষো হতং যুদ্ধে সূতপুত্রেণ মানদ।। বাসবীং কারণং কৃত্বা কালেনোপহতো হ্যসৌ।।৪৭।
তবৈব কারণাদ্রক্ষো নিহতং তাত! সংযুগে। মা ক্রুধো ভরতশ্রেষ্ঠ! মা চ শোকে মনঃ কৃথাঃ।
প্রাণিনামিহ সর্ব্বেষামেষা নিষ্ঠা যুধিষ্ঠির।।৪৮।
ভ্রাতৃভিঃ সহিতঃ সর্ব্বৈঃ পার্থিবৈশ্চ মহাত্মভিঃ। কৌরবান্ সমরে রাজন্নভিযুধ্যস্ব ভারত।।৪৯।
পঞ্চমে দিবসে তাত! পৃথিবী তে ভবিষ্যতি। নিত্যঞ্চ পুরুষব্যাঘ্র! ধর্ম্মমেবানুচিন্তয়।।৫০।
আনৃশংস্যং তপো দানং ক্ষমাং নিত্যঞ্চ পাণ্ডব।। সেবেথাঃ পরমপ্রীতো যতো ধর্ম্মস্ততো জয়ঃ।
ইত্যুক্ত্বা পাণ্ডবং ব্যাসস্তত্রৈবান্তরধীয়ত।।৫১।
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং দ্রোণপর্ব্বণি
ঘটোৎকচবধে ব্যাসবাক্যে সপ্তপঞ্চাশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ।।০।। *

মশেংনরক্লবদি—ক বনো অম নহান্না থোক্লমলগদবনি ॥৪৫॥ ভরত শাগেগী অথৌবা! অর্জ্জুননা কবিগুস্থ কর্ণগী শগোলবু রংবু হাত্তোকতুনা থুগাইত্তুনা মশোক্লরম্নবদি কর্ণনা মাগী ভা অদু শোযদনা অর্জ্জুনদা লাশিল্লকলম্মগদবনি। অদু ওইরবদি, খল্লু, নহাক্কী ওম্ফোকপা হাযকম খওজ্রবা অবাবা-দশা অম নহান্ন থোকলম্মগদবান ॥৪৬। ইকায় খুমনগদবদা ঈক যথুম্নহৈবা। নংগী নরাযবক ফবনা কর্ণনা ঘটোৎকচবু হাৎখিবনি। মাসদগী কর খওবগে হাযববু:—মতম কৌবা, লাইত্তুনা বর্ণগী তাগী মশক লৌত্তুনা ঘটোৎকচগী মপুনশি লোইহনখিবনি ॥৪৭॥ ভরতশাগেগী অথোইবা, ঈপুত্তৌ, যুধিষ্ঠির! ঘটোৎকচনা শিথ্রবদো নংগীদমক্তুনি। মসি নংগীদমক লান্দা মথৎাই কথোকপা লাকচবনি। অত্তুনা মাত্তুদমক নংনা অত্তুক যাম্না রাকফম থোক্তে। রাকপু যুধিষ্ঠির! ঐ-নং-উরিবশিসে চৎথ্রগদবা ভাক্তুনি, লোইথ্রগদবা ভাক্তুনি। মবোইত মাম্নদবান। পুনাশ হায়বসে ভমথৈ নাইদবান। ভমথৈ অত্তুদা ঐখোয়না চৎন চৎনা, ফম্ন ফম্না তুম্না তুম্না মীকুপ্ খুদংগী নকাশিল্লকলি ॥৪৮॥ ভরতনন্দন নিংথৌ! নিংথৌ অম ওইরগা নথন্ত লানজংগন্নু। ননাও কল্লবশি সিগা অযাম্ব নিংথৌ লম্মীশিংগা লোয়ননা চঙজু ॥৪৯॥ নিপা অথোইবা! মরিললৈবা! ধর্ম্মচনব! ভসিগা থানা মঙানি তেকশুবা নুমিত্তা ভবত খওসে নখুৎচল্লবনি। অত্তুনা নংদি ধর্ম্ম থক কাযগন্নু। শাউনিং লাকনিত্তুনা, নত্রগা নপুক্লীং নুংশিবদগী অস্নুম্না তহা তগানা থবক থক তৌগন্নু ॥৫০॥ "পাণ্ডুনন্দন! খোদোক হীবম্ পুম্বদা ইপেন্তপেন্দুনা, দযা, তপস্যা, দান, ক্ষমা (মীবু ভকুপা) অসনচিংবা মীওইবগী ধর্ম্ম অসে কাযদনা অত্তুম্ মচৎলু। "যতোধর্ম্ম স্ততো জয়ঃ"—"ধর্ম্ম কাযদবনা জয়" হায়বসে মাসিত কাউগন্নু।" মাসিমথৈ হায়রম্লগা বেদব্যাস অসি মাঙথোকাখ ॥৫১॥

মফম্ আসদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকশিংচামা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা দ্রোণ পর্ব্বদা ঘটোৎকচবধগী মতুংদা ব্যাসবাক্যগী চামযাঙ্খৈতরেৎশুবা অধ্যায লোইরে ॥০॥

শ্রীমহাভারতম্

অষ্টপঞ্চাশদধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ।

চামায়াঙৈনিপালশুবা অধ্যায়

(দ্রোণ হাৎপগী মতাং হৌবা)

সঞ্জয় উবাচ

ব্যাসেনৈবমথোক্তস্তু ধর্ম্মরাজো যুধিষ্ঠিরঃ । স্বয়ং কর্ণবধাদ্বীরো নিবৃত্তো ভরতর্ষভ । ॥১॥
ঘটোৎকচে তু নিহতে সূতপুত্রেণ তাং নিশাম্ । দুঃখামর্ষবশং প্রাপ্তো ধর্ম্মরাজো যুধিষ্ঠিরঃ ॥২॥
দৃষ্ট্বা ভীমেন মহতীং বার্য্যমাণাং চমূং তব । ধৃষ্টদ্যুম্নমুবাচেদং কুম্ভযোনিং নিবারয় ॥৩॥ (যুগ্মকম্)
ত্বং হি দ্রোণবিনাশায় সমুৎপন্নো হুতাশনাৎ । সশরঃ কবচী খড়্গী ধন্বী চ পরতাপনঃ ।
অভিদ্রব রণে হৃষ্টো ন চ তে ভীঃ কথঞ্চন ॥৪॥
জনমেজয়ঃ শিখণ্ডী চ দৌর্ম্মুখিশ্চ যশোধনঃ । অভিদ্রবন্তু সংহৃষ্টাঃ কুম্ভযোনিং সমন্ততঃ ॥৫॥
নকুলঃ সহদেবশ্চ দ্রৌপদেয়াঃ প্রভদ্রকাঃ । দ্রুপদশ্চ বিরাটশ্চ পুত্রভ্রাতৃসমন্বিতৌ ॥৬॥
সাত্যকিঃ কেকয়াশ্চৈব পাণ্ডবশ্চ ধনঞ্জয়ঃ । অভিদ্রবন্তু বেগেন কুম্ভযোনিবধেপ্সয়া ॥৭॥ (যুগ্মকম্)
তথৈব রথিনঃ সর্ব্বে হস্ত্যশ্বং যচ্চ কিঞ্চন । পাদাতাশ্চ রণে দ্রোণং পাতয়ন্তু মহারথম্ ॥৮॥

সঞ্জয়না হায়ঃ—ভরত শাগেগী অথোযবা ! বেদব্যাসনা অসুম্না খান্নবদা যুধিষ্ঠির অসি কর্ণ হাৎকে হায়রুনা চোক্চিল্লম্বগদগী হন্দোকাখ ॥১॥ কর্ণনা ঘটোৎকচবু হাৎখিবগুী অুংঙাইখিদবনা অহিং অতুদা লালফমদা য়ামনা শাউখত্নুনা অদুগ নাকল অমদা ভীমসেননা কৌরবলাম্নী-শিংগা যাম্না কন্না থেংনত্নুনা লৈবত্নু উবদা ধৃষ্টদ্যুম্নদা অসুম্না হাযরকই:—পাঞ্চাল রাজকুমার! অকনবা নহাক্না দ্রোণগা মায়োক্নবিযু ॥২-৩॥ মরমদি অকনবা নহাক্না দ্রোণ হাৎননবগীদমক্তা মীকং তেল, থাঙশাং লালফুরবং পুন্নমক্না লোয়নননা যজ্ঞকুণ্ডদগী অদুম চোংথোকরকপনি। অকনবা নহাক্তি তাইবং মীগী হকচাংদগী থোরকত্নুনা পোকপা নত্তে। অদুনা দ্রোণ তম্না চঙশিনবিযু! অকনবা নহাক্না দ্রোণবু খক কিফম থোক্তে ॥৪॥ অদুগা জনমেজয়, শিখণ্ডী, দৌর্ম্মুখি, যশোধন মখোয় আসসু মাগী মাগী লাম্নীশিংগা লোযননা মায়োংগ মরিদগী দ্রোণ তম্না চঙশিনবিগদবনি ॥৫॥ অদুগা নকুল, সহদেব, দ্রৌপদীগী মচাশিং প্রভদ্রকশিং মচামশুপশিং লাম্নীশিং লোয়ননা দ্রুপদ অদুগা বিরাটসু অদুগা সাত্যকি, কেকয়শিং—অর্জ্জুনমক্পু দ্রোণ হাৎননবা থুনা য়াঙনা চংশনবিগদবনি ॥৬-৭॥ "আসত নত্তুনা, অতৈ অতৈ থোঙমী লাম্নী পুন্নমক শগোল শামু তোংবা লাম্নীশিংসু

ভাবজ্ঞাস্ত তে সর্ব্বে পাণ্ডবেন মহাত্মনা । অভ্যদ্রবন্ত বেগেন কুম্ভযোনিবধেপ্সয়া ।৯।
আগচ্ছতস্তান্ সহসা সর্ব্বোদ্যোগেন পাণ্ডবান্ । প্রতিজগ্রাহ সমরে দ্রোণঃ শস্ত্রভৃতাং বরঃ ।১০।
ততো দুর্য্যোধনো রাজা সর্ব্বোদ্যোগেন পাণ্ডবান্ । অভ্যদ্রবৎ সুসংক্রুদ্ধ ইচ্ছন্ দ্রোণস্য জীবিতম্ ১১।
ততঃ প্রববৃতে যুদ্ধং শ্রান্তবাহনসৈনিকম্ । পাণ্ডবানাং কুরূণাঞ্চ গর্জতামিতরেতরম্ ।১২।
নিদ্রান্ধাস্তে মহারাজ । পরিশ্রান্তাশ্চ সংযুগে । নাভ্যপদ্যন্ত সমরে কাঞ্চিচ্চেষ্টাং মহারথাঃ ।১৩।
ত্রিযামা রজনী চৈষাং ঘোররূপা ভয়ানকা । সহস্রযামপ্রতিমা বভুব প্রাণহারিণী ।১৪।
বধ্যতাঞ্চ তথা তেষাং হতানাঞ্চ বিশেষতঃ । অর্দ্ধরাত্রিঃ সমাযজ্ঞে নিদ্রান্ধানাং বিশেষতঃ ।১৫।
সর্ব্বে হ্যাসন্ নিরুৎসাহাঃ ক্ষত্রিয়া দীনচেতসঃ । তব চৈব পরেষাঞ্চ গতাস্ত্রা বিগতেষবঃ ।১৬।
তে তদা পারয়ন্তশ্চ ব্রমন্তশ্চ বিশেষতঃ । স্বধর্ম্মমনুপশ্যন্তো ন জহুঃ স্বামনীকিনীম্ ।১৭।
শস্ত্রাণ্যন্যে সমুৎসৃজ্য নিদ্রান্ধাঃ শেরতে জনাঃ । রথেষ্বন্যে গজেষ্বন্যে হয়েষ্বন্যে চ ভারত । ।১৮।
নিদ্রান্ধা নো বুবুধিরে কাঞ্চিচ্চেষ্টাং নরাধিপাঃ । তানন্যে সমরে যোধাঃ প্রৈষয়ন্ত যমক্ষয়ম্ ।১৯।
স্বপ্নায়মানাস্ত্বপরে পরানিতি বিচেতসঃ । আত্মানং সমরে জঘ্নুঃ স্বানেব চ পরানপি ।
নানাবাচো বিমুঞ্চন্তো নিদ্রান্ধাস্তে মহারণে ।২০।

দ্রোণগী মথ্বাই লৌননবা চঙশিন্‌গদবনি" ॥৮॥ যুধিষ্ঠিরনা অসুম্না য়াখং পীরবদা হায়রিবা পুম্নমক্ অসি দ্রোণবু হাৎলগে হায়না খম্নখিদুনা মায়গৈ অকোয়বদগী দ্রোণ তম্না কাপশিন্নরকই ॥৯॥ পুম্নমক্ অসিনা চঙাশল্লকপসি উবদা খুৎলায় পায়বগী অখোইবা দ্রোণনা মখোয়শিংসিগা মায়োক্ য়াহুনা খেংনখি ॥১০॥ অসিগী তুংদা, নিংথৌ দুর্য্যোধননা দ্রোণবু কনগে হায়না খন্দুনা য়াম্না শাউনা পাণ্ডবশিংগী মায়কৈদা চেলশিল্লকই ॥১১॥ মতম অসিদা পাণ্ডবশিং অদুগা পাণ্ডবকী লান্মীশিং অসি য়াম্না চোক্‌থত্রবসু পাঙ্গল থেক্না কৌরবশিংগা অমুক খেংনবা হৌখ্রে ॥১২॥ মহারাজ ! মতম অসিদা মহারথী পুম্নমক চোক্‌থখিবগা অহিং চুপ্পা তুম্‌দবগা লাল নীঙথনা শোক্লবা ওম্মক্‌ত্রে ॥১৩॥ অহিংগী প্রহর (য়ুথক) অহুম্ য়ৈথ্রবসু, প্রহর অমত্তবু মখোয়না প্রহর লিশিং অম ওইবগুম্ নীঙখ্রে ॥১৪॥ লান্মী পুম্নমক অ'হ' চুপ্পা তুমদবগী অদুদগী খুৎলায়না থাবগী মশা মউপুম্বা হোগায়-থিন্‌গাইখিদুনা, উইরুম্-শারুম্ তৌদুনা, শোক্নরক্‌পাসনা অহিং কন য়াম্না খেঙজিল্লকলে ॥১৫॥ মহারাজ ! পাণ্ডব পক্ষরোমগীসু মহারাজগী লান্মীশিংগীসু খুৎলায় লৌশিল্লকত্রদুনা মহৈ মহৈ হন্নরকলে । লালওম্‌গনি হায়বা নীঙনরক্‌ত্রে ॥১৬॥ খুৎলায় লৈতবগী হায়রুরবদি অমগমগা মল্লযুদ্ধ তৌনগুনা শোক্লনবগী মতাং লাক্লবনি । অদুবু, উইরুম শারুম্ তৌনদুনা, লালগী ধর্ম্মত য়েংনদুনা মাগী মাগী পক্ষবু থাদোক্‌তনা লৈনবদুত মঙায়রে ॥১৭॥ ভরতনন্দন ! তুমনীঙবনা লৈবা য়ারক্‌ত্রবাশিং অতুগী মপুংদা কনা কনাগুম্বনা রথ মথক্তা, কনা কনাগুম্ব লান্মীনা শগোল মথক্ত, শামু মথক্তা, মাগী মাগী খুৎলায় থাদোকতুনা তুম্‌নীঙবনা তুথনত্রে ॥১৮॥ উইরুম-শারুম্ তৌরবশিং অদুন, মখোয়গী য়েক্লবশিংনা করি করি তৌরবগে হায়দু ফাওবা করিমত খঙখিদ্রে ॥১৯॥ লান্মীশিং অদুনা মঙ্গেরম্ হাপ্রেম্নদুনা য়েক্লবশিংদা ঙাওবা

অস্মাকঞ্চ মহারাজ! পরেভ্যো বহবো জনাঃ। যোদ্ধব্যমিতি তিষ্ঠন্তি নিদ্রাসংসক্তলোচনাঃ ॥২১॥
সংসর্পন্তো রণে কেচিন্নিদ্রান্ধাস্তে তথাপরান্। জঘ্নুঃ শূরা রণে শূরাংস্তস্মিংস্তমসি দারুণে ॥২২॥
হন্যমানমথাত্মানং পরৈশ্চ বহবো জনাঃ। নাভ্যজানন্ত সমরে নিদ্রয়া মোহিতা ভৃশম্ ॥২৩॥
তেষামেতাদৃশীং চেষ্টাং বিজ্ঞায় পুরুষর্ষভঃ। উবাচ বাক্যং বীভৎসুরুচ্চৈঃ সন্নাদয়ন্ দিশঃ ॥২৪॥
শ্রান্তা ভবন্তো নিদ্রান্ধাঃ সর্ব এব সবাহনাঃ। তমসা চাবৃতে সৈন্যে রজসা বহুলেন চ ॥২৫॥
তে যূয়ং যদি মন্যধ্বমুপারমত সৈনিকাঃ!। নিমীলয়ত চাত্রৈব রণভূমৌ মুহূর্ত্তকম্ ॥২৬॥
ততো বিনিদ্রা বিশ্রান্তাশ্চন্দ্রমস্যুদিতে পুনঃ। সংসাধয়িষ্যথান্যোন্যং স্বর্গায় কুরুপাণ্ডবাঃ ॥২৭॥
তদ্বচঃ সর্ব্বধর্ম্মজ্ঞা ধার্ম্মিকস্য বিশাংপতে।। অরোচয়ন্ত সৈন্যানি তথা চান্যোন্যমব্রুবন্ ॥২৮॥
চুক্রুশুঃ কর্ণ। কর্ণেতি রাজন্। দুর্য্যোধনেতি চ। উপারমত পাণ্ডূনাং বিরতা হি বরূথিনী ॥২৯॥

শকপগী, চৈবগী মঙংদা চোইরোল পারোল সোল্লক্ লা। মণামণা মথন্তবু য়েরুবানি হায়রনা থন্দুনা অঙাওবগুম্ ফুজরক্লি ॥২০॥

হেক্ কাপ্প থানরকপা খুৎলায অহুবু অমনা নোক নোক্তুনা থোক্ থোক্ ককথৎনৈ, থোংদোক্নৈ ॥৭৮॥ খুংলায়দা হৈরবা, খুৎলাযগী আচার্য্য ওইরবা দ্রোণনা অর্জ্জুনবু লাক্চব ওস্মকত্রবহুদা ঐন্দ্র (ইন্দ্রগী), পাশুপত (মহাদেবগী) ত্বাষ্ট্র (ব্রহ্মাগী) বায়ব্য (নুংশিৎকী), বারুণ (বরুণ-ঈশিংগী) তেল মথং মথং মন্ত্রশোল শোন্দুনা কাপশিন্বা হৌরকলে। অমুক দ্রোণগী লৌকংদগী কাপথোরকপা খুৎলাযশিং অহু অর্জ্জুননস্মু মতীক চার চারবা খুৎলায়না থিংথি —ককৎথি ॥৭৯-৮০॥ অর্জ্জুননা মতৌ অমুম্না দ্রোণনা কাপলক্কাপলকপা খুৎলাযশিং অহুবু অমুমসুম্ ককথৎলবহুদা মতুংদা দ্রোণনা মীরম্লেন্দা লৈতবা লাইগী খুৎলাযমক্ত মন্ত্র শোল শোন্দুনা পুথোরকই ॥৮১॥ দ্রোণনা অমুম্না তেল খুংলায় মখল মখল পুথোকতুনা কাপলকলবহুদা অর্জ্জুনমু খুৎলায় মখল মখল পুথোক্তুনা দ্রোণগী খুংগ য়শি অহুবু থংথিংতুনা ককথংথি ॥৮২॥ অর্জ্জুননা অমুম্না তে শস্ত্রকপহ উবদা দ্রোণনা মপুক্রীদা অর্জুনবু থম্মোয় য়াওনা থাগংথি ॥৮৩॥ ভরতনন্দন মহারাজ! মতম অসিদা দ্রোণনা মশামক্তগী অর্জ্জুননা হৈবা হেনগ্রবোয়ে ছাযবসি খনখ্রে ॥৮৪॥ দ্রোণন থাঙ্গৈশেংনা অর্জুনবু ওমংগ হায়না খন্দুনা হাৎনরন্দপ সদা অর্জ্জুননা অকন্বঃ ক্ষত্রিয়শিং অতী মাওদা দ্রোণগী খুৎলায়মথৈ কব্থৎলকপহু উবদা দ্রোণ অসি থোইদোক্লা পেন্খ্রে ॥৮৫॥ আসগুম্বা মতমদা লইথাম, গন্ধর্ব্ব, সিদ্ধসাধ্য, ঋষি কয়া কযানা অকনবা অনীসিগী লালবু থেংগদবগী মাগী মাগী নিমনদ গোগাসনদা তোংতনা কময়না নোংমদোম্বক্ত থোক্লরকল ॥৮৬॥ নোংমদান মকোয় অহু যক্ষ রক্ষ অপ্সরাশিংনা পুম্নমথনখিত্তনা নোং মচু মখল মখলনা কুপথ্রবগুম্বা থোইদোক্লা নীংথিজাখি ॥৮৭॥ মতম অসিদা নাংমাদোম্বক্ত লৈরিবশিং অসনা মশক উতন্দনা নোংসক্ত লোৎ লোৎতুনা দ্রোণ অর্জ্জুন অনীবু থাগংপগী খোল্লাউ লাউর

বিস্ফূর্জ্যমানেষস্ত্রেষু আসন্‌বৎস্থ দিশো দশ। অক্রবংস্তত্র সিদ্ধাশ্চ ঋষয়শ্চ সমাগতাঃ ॥৮৯॥

নৈবেদং মানুষং যুদ্ধং নাসুরং ন চ রাক্ষসম্। ন দৈবং ন চ গান্ধর্বং ব্রাহ্মং ধ্রুবমিদং পরম্।
বিচিত্রমিদমাশ্চর্য্যং ন নো দৃষ্টং ন চ শ্রুতম্ ॥৯০॥

অতি পাণ্ডবমাচার্য্যো দ্রোণশ্চাপ্যতি পাণ্ডবঃ। নানয়োরন্তরং শক্যং দ্রষ্টুমন্যেন কেনচিৎ ॥৯১॥

যদি রুদ্রো দ্বিধাকৃত্য যুধ্যেতাত্মানমাত্মনা। তত্র শক্যোপমা কর্তুমন্যত্র তু ন বিদ্যতে ॥৯২॥

জ্ঞানমেকস্থমাচার্য্যে জ্ঞানং যোগশ্চ পাণ্ডবে। শৌর্য্যমেকস্থমাচার্য্যে বলং শৌর্য্যঞ্চ পাণ্ডবে ॥৯৩॥

নেমৌ শক্যৌ মহেষ্বাসৌ যুদ্ধে ক্ষপয়িতুং পরৈঃ। ইচ্ছমানৌ পুনরিমৌ হন্যেতাং সামরং জগৎ ॥৯৪॥

ইত্যব্রুবন্ মহারাজ! দৃষ্ট্বা তৌ পুরুষর্ষভৌ। অন্তর্হিতানি ভূতানি প্রকাশানি চ সংঘশঃ ॥৯৫॥

ততো দ্রোণো ব্রাহ্মমস্ত্রং প্রাদুশ্চক্রে মহামতিঃ। সন্তাপয়ন্ রণে পার্থং ভূতান্যন্তর্হিতানি চ ॥৯৬॥

ততশ্চচাল পৃথিবী সপর্বতবনদ্রুমা। ববৌ চ বিষমো বায়ুঃ সাগরাশ্চাপি চুক্ষুভুঃ ॥৯৭॥

লাউরম্বনা কোয়চৎ চৎখি ॥৮৮॥ দ্রোণ অর্জ্জুন অনীনা কাপথোকনরকপা থুংলায়শিং অদুনা মায়পৈ তম্বা পুমণ্ডাল ঙালহনখ্রবদা নোংমদোন্দা লৈরিবা সিদ্ধসাধ্যশিংনা অস্মমা ঙাঙনখি :—"অনীগী লাল অসে তাইবং মীগীস্থ নত্তে, হিংচাবশিংগী লালস্থ নত্তে, লাইগী লালস্থ নত্তে, গন্ধর্বশিংগীস্থ নত্তে। মসিদি ব্রহ্মলোকত লৈবশিংগী লান্নি। মরমদি অসিগুম্বা লান্দি ঐখোয়না মমাংদৌদা তাস্থ তাখিদ্রি উস্থ উখিদ্রি ॥৮৯-৯০॥

করম্বা মতমদা, করম্বা তাঙ্গাদা দ্রোণনা অর্জ্জুনবু অমুক্তং লাকচখিবা, অদুগা করম্বা মতমদা অর্জ্জুননা দ্রোণবু ওম্‌খিবা হায়বদু কনা অমতনা উব লাকপা ওমদে। অনী অসি কনানা হেনবগে হাযবদু কনা অমতনা থওবা—হায়বা ওমলোই ॥৯১॥ রুদ্র মশামক্তা মশাবু অনী থোক্ন খায়দোক্লগা তংখাই অনীদুনা শোক্লবগুম্মি হায়বা নত্তনা প্রমাণ করিমত পীননীওডায় লৈতে ॥৯২॥ অস্ত্রাবদ্যাপুম্বা পুল্লপ্পা হৌদুনা দ্রোণ অমতদা লৈখ্রে। অস্ত্রবিদ্যাগা প্রযোগ শীজিন্নবা (মশীজিন্ন) গা অনীনা তিন্ননা অর্জ্জুনদা লৈখ্রে। থৌনা হায়বদুনা দ্রোণদা ভুংদুনা লৈখ্রে। থৌনাগা পাঙ্গলগা অনীনা অর্জ্জুনদা পুল্লপ্পা তিনখ্রে ॥৯৩॥ "মরম অদুনা কনাগুম্বা অমতনা অনীমক্ আসবু চাংপদি মওম্মরোই। অদুগা মখোয় অনীসিনা পুল্লপ্পা হেক্ মহৌরক্লবদি লাইয়াম—হিংচাব—তাইবংমীনা থল্লবা জগৎ মপুম অসিবু জয় তৌবা ওমগনি" ॥৯৪॥ মহারাজ! নিপা অথোইবা তনীসিংবু উরগা নোংমদোম্বক্ত য়েংলিবশিং অদুনা মশক্ অমুক উহন অমুক উহন্দা কোয়চৎ চৎদুনা অস্তয়া ঙাওনখি ॥৯৫॥ অদুগী তুংদা মহাবাজ! দ্রোণনা মশক উ উদবা জীবপানবা খিংকপু চাকথেকহনন্দা ওম্বা ব্রহ্মাস্ত্রবু শীজিন্নদুনা অর্জ্জুনবু হাংলগে হায়না থোরাং তৌরকলে ॥৯৬॥ মতম অদুদা চীঙমান ভুরেলগা লোয়নরনা পৃথিবী

ততস্ত্রাসো মহানাসীৎ কুরুপাণ্ডবসেনয়োঃ । সর্ব্বেষাঞ্চৈব ভূতানা'মুত্তস্তেঽস্ত্রে মহাত্মনা ।৯৮।
ততঃ পার্থোঽপ্যসংভ্রান্তস্তদস্ত্রং প্রতিজঘ্নিবান্ । ব্রহ্মাস্ত্রেণৈব রাজেন্দ্র ! ততঃ সর্ব্বমশীশমৎ ।৯৯।
যদা ন গম্যতে পারং তয়োরন্ততরস্য বা । ততঃ সঙ্কুলযুদ্ধেন তদ্‌যুদ্ধং ব্যাকুলীকৃতম্ ।১০০।
নাজ্ঞায়ত ততঃ কিঞ্চিৎ পুনরেব বিশাংপতে ! । প্রবৃত্তে তুমুলে যুদ্ধে দ্রোণপাণ্ডবয়োর্ম্মৃধে ।১০১।
শরজালৈঃ সমাকীর্ণে মেঘজালৈরিবাম্বরে । ন স্ম সংপততে কশ্চিদন্তরীক্ষচরস্তদা ।১০২।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং দ্রোণপর্বণি
দ্রোণবধে দ্রোণার্জ্জুনযুদ্ধে একষষ্ট্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ।০। *

অসি থক্ থক্ নীকখি। শারনা য়াক্লবা সুংশিৎ লীৎলি। সমুদ্র পূম্বা ঈথক হৌখি ॥৯৭॥ দ্রোণনা অস্ত্রম্ তৌবক্পসিদা কৌরব পাণ্ডবকী লাম্মী পূম্নমক্, অদুগা জগৎকী জীবপুম্বা য়ানরকলে ॥৯৮॥ নিংথৌ অথোইবা ! দ্রোণনা অর্জ্জুন তম্না থাদোকৃপা ব্রহ্মাস্ত্র অদুবু অর্জ্জুননা মাগী ব্রহ্মাস্ত্রনা মাওহনখি। মতম অদুদা জীবশিংদা মৈশা কম্না পীরম্বা দ্রোণগী ব্রহ্মাস্ত্র অদু মূৎখি ॥৯৯॥ অনী অসিনা লাল্ শোক্লবগী লোইবা খম্বা নাইত্রবদুদা কৌরব পাণ্ডব পক্ষ অনীমক্কী লাম্মী-শিংনা মহৈ মহৈ হৌনরকতুনা দ্রোণ অর্জ্জুন অনীগী তক তরুনা শোক্লরম্বা-লাল অদু পূম্নৈ নৈশিন্নহন্‌খ্রে ॥১০০॥ মহারাজ ! ময়াম অসিদা তক্শিন্নরক্পদুদা দ্রোণ অর্জ্জুন অনীগী মরক্তা কদি থোকখ্রবগে হাযবদু কনা অমতনা উখিখঙ্খিদ্রে ॥১০১॥ নোংমদোম্বক্ অসি তেন্না পূম্মম্ ময়া কুপ্খিবদুদা আকাশদা জীব কনাস্ত্র থোরকপা হঙ্গৎ হন্দ পাইবা চৎপা ঙম্খিদ্রে ॥১০২॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদ দ্রোণপর্বদা দ্রোণবধগী মনু'দা দ্রোণার্জ্জুনযুদ্ধগী চামজুম্ফু মাথোই শুবা অধ্যায় লোইরে ॥

শ্রীমহাভারতম্

দ্বিষষ্ট্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ।

চামহুমফুনিথোইশুবা অধ্যায়

(দ্রোণবধগী মনুংদা অকন্‌বা লাঞ্জাও)

সঞ্জয় উবাচ।

তস্মিংস্তথা বর্ত্তমানে নরাশ্বগজসংক্ষয়ে। দুঃশাসনো মহারাজ! ধৃষ্টদ্যুম্নমযোধয়ৎ ॥১॥
স তু রুক্মরথাসক্তো দুঃশাসনশরার্দ্দিতঃ। অমর্ষাত্তব পুত্রস্য শরৈর্বাহানবাকিরৎ ॥২॥
ক্ষণেন স রথস্তস্য সধ্বজঃ সহসারথিঃ। নাদৃশ্যত মহারাজ! পার্ষতস্য শরৈশ্চিতঃ ॥৩॥
দুঃশাসনস্তু রাজেন্দ্র! পাঞ্চাল্যস্য মহাত্মনঃ। নাশকৎ প্রমুখে স্থাতুং শরজালপ্রপীড়িতঃ ॥৪॥
স তু দুঃশাসনং বাণৈর্বিমুখীকৃত্য পার্ষতঃ। কিরন্ শরসহস্রাণি দ্রোণমেবাভ্যয়াদ্রণে ॥৫॥
প্রত্যপদ্যত হার্দ্দিক্যঃ কৃতবর্ম্মা তদন্তরম্। সোদর্য্যাণাং ত্রয়শ্চৈব ত এনং পর্য্যবারয়ন্ ॥৬॥
তং যমৌ পৃষ্ঠতোঽন্বৈতাং রক্ষন্তৌ পুরুষর্ষভৌ। দ্রোণায়াভিমুখং যান্তং দীপ্যমানমিবানলম্ ॥৭॥
সম্প্রহারমকুর্ব্বংস্তে সর্ব্বে সপ্ত মহারথাঃ। অমর্ষিতাঃ সত্ত্বস্থাঃ কৃত্বা মরণমগ্রতঃ ॥৮॥

সঞ্জয়না হায়ঃ--মহারাজ! মতৌ অম্সুম্না মী শগোল শামু মপৈ মপৈনা অ শনগী থবাক্ত ফল্ ফল্ চোংশিন্নরকলবা মতম আংসদা দুঃশাসননা ধৃষ্টদ্যুম্নগা কন্না শোক্নরক্লে ॥১॥ ধৃষ্টদ্যুম্নদি দ্রোণগা থেংনগে নীঙঙম্মনি। অদুগুম্বু দুঃশাসননা বন্না চৈনা পীরকপা অদুদা নীঙবা কাথবা অশাউবগা লোয়নননা ধৃষ্টদ্যুম্নন দুঃশাসনগী শগোলশিং অদুদা কন্না কন্না থাজিল্লক্তই ॥২॥ মহারাজ! ধৃষ্টদ্যুম্নগী তেশ মপৈ মপৈনা কুপাশনাথবদা দুঃশাসনগী রথ, ফিরাল, সারথি অমত্তা মশক্ উৎখত্রে ॥৩॥ নিংথৌ অথোইবা! ভত্তাক লৈবা দুঃশাসন অসি ধৃষ্টদ্যুম্নগী তেলশিংগী চৈনা থাঙবা ওঁনদক্তনা মাগী মমাঙদা অমুক্ লেপ্প ঙম্মক্তত্রে ॥৪॥ অদুগী তুংদা ধৃষ্টদ্যুম্ননা দুঃশাসনবু মমায় ওনহনলগা তেল লিশিং লিশিং কাপ্লিন্ কাপ্লিন্না দ্রোণ তম্ন ফুজনখি ॥৫॥ অদুগা মরক্তা, হৃদককী মচ কৃতবর্ম্মাগা দুঃশাসনগী মন ও নিপা অহুমগা মথোয় মথাম্ অ সনা ধৃষ্টদ্যুম্নবু থিংজিনা থমখি ॥৬॥ মৈ মং ফনা চাক্লবা মৈ মী শোক্লগ ধৃষ্টদ্যুম্নন দ্রোণগা লোমদা চঙ্‌শিল্লক্পা মতম্‌দা নিপা অথোইবা নকুলসহদেব অনা সনা মাগী তুং লোমদ ঙাকশেলবা ওইনা চঙ্ঙকই ॥৭॥ পক্ষ অনীনকী মথোয় তারেৎ অসি অশিববু শান্নপোৎ ওইনা মমাঙদা থমদুনা অকিবা অশংব থাদোক্লহনা শোক্লরকাল ॥৮॥ মহারাজ! মথোয় অসি লালগী বিধ কায়দনা, মপুক্রীং শেংনা, খেক্লবগী মথুত্ত ববাক

শুদ্ধাত্মানঃ শুদ্ধবৃত্তা রাজন্। স্বর্গপুরস্কৃতাঃ। আর্য্যযুদ্ধমকুর্ব্বন্ত পরস্পরজিগীষবঃ ।৯।
শুক্লাভিজনকর্ম্মাণো মতিমন্তো জনাধিপ। । ধর্ম্মযুদ্ধমযুধ্যন্ত প্রেপ্সন্তো গতিমুত্তমাম্ ।১০।
ন তত্রাসীদধর্ম্মিষ্ঠমশস্ত্রং যুদ্ধমেব বা। ন তত্র কর্ণী নালীকো ন লিপ্তো ন চ বস্তকঃ ।১১।
ন সূচী কপিশো নাত্র ন গবাস্থিগজাস্থিকঃ। ইষুরাসীন্ন সংশ্লিষ্টো ন পূতির্ন চ জিহ্মগঃ ।১২।
ঋজূন্যেব বিশুদ্ধানি সর্ব্বে শস্ত্রাণ্যধারয়ন্। সুযুদ্ধেন পরাল্লোঁকানীপ্সন্তঃ কীর্ত্তিমেব চ ।১৩।
তদাসীত্তুমুলং যুদ্ধং সর্ব্বদোষবিবর্জ্জিতম্। চতুর্ণাং তব যোধানাং তৈস্ত্রিভিঃ পাণ্ডবৈঃ সহ ।১৪।
ধৃষ্টদ্যুম্নস্তু তান্ দৃষ্ট্বা তব রাজন্। রথর্ষভান্। যমাভ্যাং বারিতান্ বীরান্ শীঘ্রাস্ত্রো দ্রোণমভ্যয়াৎ ।১৫।
নিবারিতাস্তু তে বীরাস্তয়োঃ পুরুষসিংহয়োঃ। সমসজ্জন্ত চত্বারো বাতাঃ পর্ব্বতয়োরিব ।১৬।
দ্বাভ্যাং দ্বাভ্যাং যমৌ সার্দ্ধং রথাভ্যাং রথপুঙ্গবৌ। সমাসক্তৌ ততো দ্রোণং ধৃষ্টদ্যুম্নোঽভ্যবর্ত্তত ।১৭।
দৃষ্ট্বা দ্রোণায় পাঞ্চাল্যং ব্রজন্তং যুদ্ধদুর্ম্মদম্। যমাভ্যাং তাংশ্চ সংসক্তাংস্তদন্তরমুপাদ্রবৎ।
দুর্য্যোধনো মহারাজ। কিরন্ শোণিতভোজনান্ ।১৮।

থারবস্নু স্বর্গগী আশা তৌনদুনা, অমন অমবু ওমগে তাম্নদুনা কন্না শোক্লরকলি ॥৯॥ মহারাজ! অচৌবা শাগেদা ক্ষত্রিয়গী শেংলবা বংশদা পোকপা, লাস্থেংনবদা দোষ করিমতা লৈতবা, হৈশিংলবা লালগী তত্ত্ব খঙবা অকন্‌বশিংনা অথোইবা খুভম্ ফংননবগী ধর্ম্ম কায়দনা লাল্ শোক্লৈ ॥১০॥ অসিগুম্বা লাল্ অসিদা অধর্ম্মগী শরুক্ করিমতা য়াওদে। খুৎলায় নত্তনা খুবাক্ক খুত্রমগনা শোক্লদে। শঙ্গীন, ক্ষুর, য়োচৈ উতোংনচিংবা মচীন্দা হূ তৈবা খুৎলায় পায়নদে। তেল্ কাপ্পা লাম্নীশিংনা ছাগমুখ তৌবা তেল শীজিন্নদে ॥১১॥ ধর্ম্মযুদ্ধদা শল শগোল শামুনচিংবগী শরুনা শাবা তেল অমদি খুৎলায় শীজিন্নদে। খোঈদ্রিং খোয়ত্রাংবা, অপুম অশা নমথিহংঙাইবা তৈবা তেল শীজিন্নদে ॥১২॥ হায়রিবা মখোয় তরেৎ অসি ধর্ম্ম কায়দবা লালফম্‌দা থরাই থারগা লেঙদ্রবা মিংচৎ ফংগে হায়বগীদমক্ শেংলবা লালগী চপ্ চাবা খুৎলায় মক্তা পায়নখি ॥১৩॥ মহারাজ! পাণ্ডবপক্ষগী অকন্‌বা অহুম্‌সিগা মহারাজগী কৌরবপক্ষ অকন্‌বা মরিগা করিগুম্বা হীরমদা দোষ লৈতবা লালমক্ত শোক্লখি ॥১৪॥ মহারাজ! নকুলসহদেব অনীনা কৌরবকী অকনবা রথী অথোইবা মরিবু থিংলিঙৈ তাঙ্গ্লাসিদা খুৎলৈথুরবা ধৃষ্টদ্যুম্ননা দ্রোণ তম্না প্রপ্রপ ফুজিনখি ॥১৫॥ নকুল সহদেব অনীনা থিংদুনা থমগ্রবা শাউরবা, কৌরব পক্ষগী অকন্‌বা মরি অসিনা নুংশিৎনা চীঙচম্ অনীবু হুম্‌দোক্কে তৌবগুম্ নকুলসহদেব অনীগা কন্না থেংনখি। মখোয়না অস্নুম্না থেংনরিঙৈসিমক্তা ধৃষ্টদ্যুম্ননা দ্রোণলোমদন অস্নুম্ স্নুম্ চঙশিল্লকৃপা তোকত্রি ॥১৬-১৭॥ মহারাজ! সান্দা লাকঙম্ কাঙমদ্রবা ধৃষ্টদ্যুম্ননা দ্রোণ তম্না চঙশিনখিব অসি অত্থগা নকুল-সহদেব অনীনস্থ কৃতবর্ম্মাগা দুঃশাসনগী মনাও অহুম্‌গা মখোয় মরিবু থিংদুনা থমখিবসি উৎদা

তং সাত্যকিঃ শীঘ্রতরং পুনরেবাভ্যবর্ত্তত। তৌ পরস্পরমাসাদ্য সমীপে কুরুমাধবৌ।
হসমানৌ নৃশার্দ্দূলাবভীতৌ সমসজ্জতাম্ ॥১৯॥
বাল্যবৃত্তানি সর্ব্বাণি প্রীয়মাণৌ বিচিন্ত্য তৌ। অন্যোন্যং প্রেক্ষমাণৌ চ স্ময়মানৌ পুনঃ পুনঃ ॥২০॥
অথ দুর্য্যোধনো রাজা সাত্যকিং সমভাষত। প্রিয়ং সখায়ং সততং গর্হয়ন্ বৃত্তমাত্মনঃ ॥২১॥
ধিক্ ক্রোধং ধিক্ সখে! লোভং ধিঙ্‌মোহং ধিগমর্ষিতাম্।
ধিগস্তু ক্ষাত্রমাচারং ধিগস্তু বালপৌরুষম্।
যত্র মামভিসন্ধৎসে ত্বাঞ্চাহং শিনিপুঙ্গব! ॥২২॥
ত্বং হি প্রাণৈঃ প্রিয়তরো মমাহঞ্চ সদা তব। স্মরামি তানি সর্ব্বাণি বাল্যে বৃত্তানি যানি নৌ ॥২৩॥
তানি সর্ব্বাণি জীর্ণানি সাম্প্রতং নৌ রণাজিরে। কিমন্যৎ ক্রোধলোভাভ্যাং যুধ্যামি ত্বাদ্য সাত্বত! ॥২৪॥
তং তথাবাদিনং তত্র সাত্যকিঃ প্রত্যভাষত। প্রহসন্ বিশিখাংস্তীক্ষ্ণানুদ্যম্য পরমাস্ত্রবিৎ ॥২৫॥
নেয়ং সভা রাজপুত্র! নাচার্য্যস্য নিবেশনম্। যত্র ক্রীড়িতমস্মাভিস্তদা রাজন্! সমাগতৈঃ ॥২৬॥

দুর্য্যোধন অসি ঈ চুপ্‌থোকপা। ওম্বা তেল্ মপৈ মপৈঙ্গ কাপ্‌শিন কাপ্‌শিন্না খুইচ্যম্ম তম্না চঙ-শিল্লকই ॥১৮॥ মতম অসদা সাত্যকিনা দুর্য্যধনগী মাযোক্ যাদুনা চপ্‌লেপখি। অদুদগীদি নিপা অথোইবা, হান্নদগী খুং পেন্নহৌদ্রবা সাত্যকি দুর্য্যোধন অকন্‌বা অনী আস কাক্ কাক্ নোক্ক-নান্না থেংনবক্লে ॥১৯॥ মথোয অনী'স মমাঙৈদা অঙাং ওইনবিঙৈদা তৌনখিবা ব্যবহার অদু নীঙ্‌শিনবকতুনা অমগ অমগা থোৎনা নৌনা ওগাক্ য়েংমিন্নদুনা নোক্নমিন্নরকই ॥২০॥ মতম অসিদা মশামথন্তনা তৌখিবা কুকর্ম্ম শং অদুগী নীঙশিংদুনা মশাবু নিন্দা তৌজদুনা দুর্য্যোধননা মাগী অঙাং ওইবিবঙৈগী চান্নরবা মরূপ সাত্যকিবু য়েংদুনা অসুম্না হায়রকই ॥২১॥ "মরূপ! শিনিশাংগেগী অথোইবা! অশাউবা, অপাম্বা, শুম্‌হৎপা, অমগী চাওখৎপা উবগা থাংগৎমদবা, ক্ষত্রযগী ধর্ম্ম, অদুগা নিপা থোক্না অকন্ অবিশীংবা,—হায়রিবশিংসিবু ঐনা হন্ন হন্না নিন্দা তৌর, হন্ন হন্না ধিক্কার তৌ র। মরম দ মমাঙৈদা অদুক্ চান্নবম্বা নহাক্‌নুম্বা অমনা তেল্ চীঙঙ চীঙঙ্গন এংঙান্দা তাফ্টন্নক্ল। অদুগা ঐসু নংবু হাৎকে হাযদুনা তেঙ্গা থোংল-থো লদুনা চঙশিল্লকল" ॥২২॥ অঙাং ওই বঙৈদা ঐখোযনৌনা চান্নবম্বা, নুংশিনরম্বা, তৌনরম্বা ব্যবহার—অসি পুম্বা ঐন হৌজক্ত নীঙশিনকৃলি। মতম অদুদা নহাক অসি ঐগী থরাইদগী তেম্না নুংশিবা মরূপ অমা ওইবম্বনি। অদুগা ঐসু নহাক্কী নুংশিজরবা মরূপ অমা ওইবম্বনি। ॥২৩॥ সাত্বতশগী অথোইবা! নুংশিনরম্বা চান্নরম্বা পুন্নমক অদে, তৌজিক্ত লোইনা মুংপ্রে। মুংপ্রবাসগী কারণ দ অপাম্বা তাযবদুগা অশাউবা হাযবদুগা অসি নতনা কারি অমনা ওইগদগে? করে, আসপুম্ব স তৌপ্রব রাদন, ঙঙং কদুনা কান্নপ্রে। ঙ'সদি ঐ নংগা থেংনগনি ॥২৪॥ দুর্য্যোধননা অসুম্না হায়বাদা সাত্যকিনা কাক্ কাক্ নোক্কুনা পাউথুম্ পীরকই :—॥২৫॥ "নিংথৌগী মচা

দুর্য্যোধন উবাচ

ক সা ক্রীড়া গতাস্মাকং বাল্যে বৈ শিনিপুঙ্গব ।। ক চ যুদ্ধমিদং ভূয়ঃ কালো হি দুরতিক্রমঃ ॥২৭॥
কিংনু নো বিদ্যতে কৃত্যং ধনেন ধনলিপ্সয়া । যত্র যুধ্যামহে সর্ব্বে ধনলোভাৎ সমাগতাঃ ॥২৮॥

সঞ্জয় উবাচ ।

তং তথাবাদিনং তত্র রাজানং মাধবোঽব্রবীৎ । এবং বৃত্তং সদা ক্ষাত্রং যদ্‌যুধ্যন্তীহ গুরূনপি ॥২৯॥
যদি তেঽহং প্রিয়ো রাজন্ । জহি মাং মা চিরং কৃথাঃ । ত্বৎকৃতে সুকৃতাল্লোঁকান্ গচ্ছেয়ং ভরতর্ষভ । ॥৩০॥
যা তে শক্তির্বলং যচ্চ তৎ ক্ষিপ্রং ময়ি দর্শয় । নেচ্ছাম্যেতদহং দ্রষ্টুং মিত্রাণাং ব্যসনং মহৎ ॥৩১॥
ইত্যেবং ব্যক্তমাভাষ্য প্রতিভাষ্য চ সাত্যকিঃ । অভ্যযাদ্ দুর্ণমব্যগ্রো দয়াং নাকুরুতাত্মনি ॥৩২॥
তমায়ান্তং মহাবাহুং প্রত্যগৃহ্ণাত্তবাত্মজঃ । শরৈশ্চাবাকিরদ্রাজন্ । শৈনেয়ং তনয়স্তব ॥৩৩॥
ততঃ প্রববৃতে যুদ্ধং কুরুমাধবসিংহয়োঃ । অন্যোন্যং ক্রুদ্ধয়োর্ঘোরং যথা দ্বিরদসিংহয়োঃ ॥৩৪॥
ততঃ পূর্ণায়তোৎসৃষ্টৈঃ সাত্বতং যুদ্ধদুর্ম্মদম্ । দুর্য্যোধনঃ প্রত্যবিধ্যৎ কুপিতো দশভিঃ শরৈঃ ॥৩৫॥

দুর্য্যোধন ! ঐখোয়না মু শিননা শান্নথিবা মক্তম অদো, অদুগী রাজসভা অহনু নত্তে, লালকম্ অসিমু নত্তে" ॥২৬॥ দুর্য্যোধননা হায়ঃ—শিনশাগী অথোইবা ! অভাং ওইরিবদা ঐখোয়না মু শিননা শান্নরম্বদুনা নদাযদা ! লাল, অসিমনা অমুক্ কদোমদগী ! মতমগী ঈচেম্না পুথরকপা অবস্থা পুম্বসে কনা অমতনা লাস্তোকপা ঈস্তোকপা ওম্দে ॥২৭॥ "সনা লুপা ললথুম্, সিংহাসনগীদমক্ ঐখোয়না হৌজিক লালশোন্ররি । অতুগুম্বা অপাম্বা কল্লকপা অহুনা ঐখোয়দা করি তোংজবা পীগদৌরবনে ?" ॥২৮॥ সঞ্জয়না হায়ঃ -মহারাজ ! দুর্য্যোধননা অসুম্না হায়রবদা, সাত্যকিনা হায়রকই ঃ—"মাসে, ক্ষত্রিয় শগী লৈশেমবদগী লেচদনা চংলক্লিবা ধর্ম্মনি । ক্ষত্রিয়শিংনা লালকমদা মপা মচাদু যংদে, গুরুকপুম্ম হি সা তৌবদা হাল্লেন্নদে" ॥২৯॥ "মহারাজা দুর্য্যোধন ! ঐ অসি নংগী শান্নরম্বা মরুপনি হায়না হওলনদি পীলগনু ঐবু হৌজিকমক্ লালকমসিদা হাৎননবা তে । ভরতশাগী পোক্তইব । তশাক্ষীদমক্ ঐ পুণ্যলোকত থৌরগে" ॥৩০॥ "নিংথৌ ! নংগী নশাদ তেক্ লৈবি । শাক্ত পুম্ব, নাপী থম্মোযদা, পুক্রীদা লৈরিবা নগৌনা নরানপুম্বা ওাস দৈচোন্দা তন উংনবা না । ঐ ওসি মরূপ নগী তিল্লবা মরূপশিং অসগী অরাবা থুদোংথীবদো কুইনা যেত্ত লৈতিংদে ॥৩১॥ সাত্যকিনা মতৌ অসুম্না তেক্লবা ওইনমু অমুক্ ওাওু, মরূপ ওইনম্ব অমুক্ ভাব্ তৌগনা বাত্তৈ থব অসহ যক্ষগা দুর্য্যোধন তম্না কল্পা ফুজিল্লকই । সাত্যকিনা মশামথন্তদ্দ্ব পম্মুদ্রে, মশাগী মপুনশিংস্থ মু শিন্রে ॥৩২॥ মহারাজ ! সাত্যকিনা চওশিল্লকপ'স উংদা দুর্য্যোধননা মাযোক্ যাথ । অদুগা অতৎ অগমলৈত্তনা সাত্যকিদা কাপ শিল্লকই ॥৩৩॥ মতম অদুদা বল্লবা, মপ অঙল মান্নববা মযায় কাববা শমু অনীনা যাথিল্লরকপগুম্বা দুর্য্যোধন-সাত্যকি অনী অসি কন্না থেংনবা হেল্রে ॥৩৪॥ দুর্য্যোধননা মাগী দীকাবু নাকোং

তং সাত্যকিঃ প্রত্যবিধ্যত্তথৈবাবাকিরচ্ছরৈঃ। পঞ্চাশতা পুনশ্চাজৌ ত্রিংশতা দশভিশ্চ হ ॥৩৬॥
সাত্যকিস্তু রণে রাজন্! প্রহসংস্তনয়স্তব। আকর্ণপূর্ণৈর্নিশিতৈর্বিব্যাধ ত্রিংশতা শরৈঃ।
ততোঽস্য সশরং চাপং ক্ষুরপ্রেণ দ্বিধাচ্ছিনৎ ॥৩৭॥
সোঽন্যৎ কর্ম্মুকমাদায় লঘুহস্তস্ততো দৃঢম্। সাত্যকির্ব্যসৃজচ্চাপি শরশ্রেণীং সুতস্য তে ॥৩৮॥
তামাপতন্তীং সহসা শরশ্রেণীং জিঘাংসয়া। চিচ্ছেদ বহুধা রাজা তত উচ্চুক্রুশুর্জনাঃ ॥৩৯॥
সাত্যকিঞ্চ ত্রিসপ্তত্যা পীড়য়ামাস বেগিতঃ। স্বর্ণপুঙ্খৈঃ শিলাধৌতৈরাকর্ণাত্তূর্ণনিঃসৃতৈঃ ॥৪০॥
তস্য সন্দধতশ্চেষুং স হিতেষুঞ্চ কার্ম্মুকম্। অচ্ছিনৎ সাত্যকিস্তূর্ণং শরৈশ্চৈবাভ্যবীবিধৎ ॥৪১॥
স গাঢ়বিদ্ধো ব্যথিতঃ প্রত্যপায়াদ্রথান্তরম্। দুর্য্যোধনো মহারাজ! দাশার্হশরপীড়িতঃ ॥৪২॥
সমাশ্বস্য তু পুত্রস্তে সাত্যকিং পুনরভ্যয়াৎ। বিসৃজন্নিষুজালানি যুযুধানরথং প্রতি ॥৪৩॥
তথৈব সাত্যকির্বাণান্ দুর্য্যোধনরথং প্রতি। প্রহিতং ব্যসৃজদ্রাজংস্তৎ সঙ্কুলমবর্ত্তত ॥৪৪॥

মরু কংনা চিংদুনা থৌরবা তেল তরান সাত্যকিদা কন্না থাখি ॥৩৫॥ সাত্যকিনসু অদুগুম্না দুর্য্যোধনদা খুৎ হনখি। সাত্যকিনা অহানবদা তেল য়াখৈনা দুর্য্যোধনদা খারগা অদুদগী থৌরবা তেল্ তরানা অমুক্ নোচ্ছিনখি ॥৩৬॥ মহারাজ! অদুদগী নোক্ন নোক্না নচাঈবুডো দুর্য্যোধননা লীরীবু নাকোং য়োনা চিংলগা থৌরবা তেল্ কুন্থ্রানা সাত্যকিদা থাখি। অদুদগী অমুক, ক্ষুরমচীন শাবা তেল অমা কাপ্‌শিল্লক্লুনা দুর্য্যোধননা সাত্যকিগী খুত্ত পায়রিবা লীক অদুবু লীরীগা তেলগা লোয়ননা মথায থীগাডদা বক্‌ৎখি ॥৩৭॥ অদুদগী খুৎলৈথুরবা সাত্যকিনা খুনা য়াঙনা অতোপ্পা লীকং অমা পায়খত্তুনা লীবী তগ্‌হাপ হাপতুনা দুর্য্যোধনগী মথক্তা তেল্ নোংচুবগুম্ হৈথরক্লে ॥৩৮॥ দুর্য্যোধনবু হাংলগে হাযনা খন্দুনা সাত্যকিনা কাপশিল্লকলিবা তেল্ মপৈ অদু দুর্য্যোধননা কক্ কক্লুনা খ দাখি। মাদু উবদ কৌরব লান্মী পুন্নমক নু ভাইখিদুনা দুর্য্যোধনবু থাগৎতুনা পুন্নীং থেগৎতুনা ল উনবকই ॥৩৯॥ অদুগী তু দা দুর্য্যাধন সননা লেম্না পানবা, য়োথোনা মখো শঙলবা, তেল হুন্দুতরাহুমদোইবু লীরীবু নাকে মক ফনা চিংলগা কাপ্‌লক্লুনা সাত্যকদা থাখি ॥৪০॥ দুর্য্যাধনন তন্দুক্ কাপ্‌কে হাযদুনা লেন্ন খা ভবুপা মতমদা সত্যকিনা লীরী তেলগা লোয়ননা দুর্য্যোধনগী লীক অদুবু ককখৎলগ থবক থৌরবা লেন্না থাজল্লক্লে ॥৪১॥ মহারাজ! সাত্যকিগী থৌরব তেলগী থাঙভমদ্রব চৈন কংবদুদ দুর্য্যধন অসিচনা থাঙবা ভমদতুনা রথগী মথক্তা থারিবা মহারথীগী ক্লমম্ অদুদগী থৈদাক্লুনা নাকাল অমদা লৈশিনখি ॥৪২॥ মহারাজ! অদুদগী নচঈবুডো দুর্য্যাধন তাস তন খানা তলক্লুনা তেল মনম্ মনম্ কাপ্‌শিন, কাপ্‌শিল্ল সত্যকিদা চঙশিন্দকই ॥৪৩॥ সাত্যকিনসু দুর্য্যধনদা অৎম অমম্ লৈতনা মনম্ মনম্ কাপ্‌শিল্লবুই। অদুম তোইনা সত্যক দুর্য্যোধন অনানী অকনগী মরুক্ ওইনা।

তত্রেষুভিঃ ক্ষিপ্যমাণৈঃ পতদ্ভিশ্চ শরীরিষু। অগ্নেরিব মহাকক্ষে শব্দঃ সমভবন্মহান্ ॥৪৪॥
তয়োঃ শরসহস্রৈশ্চ সংছন্নং বসুধাতলম্। অগম্যরূপঞ্চ শরৈরাকাশং সমপদ্যত ॥৪৬॥
ততোঽভ্যধিকমালক্ষ্য মাধবং রথসত্তমম্। ক্ষিপ্রমভ্যপতৎ কর্ণঃ পরীপ্সংস্তনয়ং তব ॥৪৭॥
ন তু তং মর্ষয়ামাস ভীমসেনো মহাবলঃ। সোঽভ্যায়াত্বরিতঃ কর্ণং বিসৃজন্ সায়কান্ বহূন্ ॥৪৮॥
তস্য কর্ণঃ শিতান্ বাণান্ প্রতিহত্য হসন্নিব। ধনুঃ শরাংশ্চ চিচ্ছেদ সূতঞ্চাভ্যহনচ্ছরৈঃ ॥৪৯॥
ভীমসেনস্তু সংক্রুদ্ধো গদামাদায় পাণ্ডবঃ। ধ্বজং ধনুশ্চ সূতঞ্চ সংমর্দ্দাহবে রিপোঃ ॥৫০॥
রথচক্রঞ্চ কর্ণস্য বভঞ্জ স মহাবলঃ। ভগ্নচক্রে রথেঽতিষ্ঠদকম্পঃ শৈলরাড়িব ॥৫১॥
একচক্রং রথং তস্য তমূহুঃ সুচিরং হয়াঃ। একচক্রমিবার্কস্য রথং সপ্ত হয়োত্তমাঃ ॥৫২॥
অমৃষ্যমাণঃ কর্ণস্তু ভীমসেনমযুধ্যত। বিবিধৈরিষুজালৈশ্চ নানাশস্ত্রৈশ্চ সংযুগে।
ভীমসেনশ্চ সংক্রুদ্ধঃ সূতপুত্রমযোধয়ৎ ॥৫৩॥
তস্মিংস্তথা বর্ত্তমানে যুদ্ধে ধর্ম্মসুতোঽব্রবীৎ। পঞ্চালানাং নরব্যাঘ্রান্ মৎস্যাংশ্চ পুরুষর্ষভান্ ॥৫৪॥

লঞ্জাও অহু পেকখি ॥৪৫॥ অনীগী তেল্লা চিংবা খুৎলায মখল মখল্ল। অমগমগ করুরকপা থানরকপগদা মাহ্লমক্তগী মথোন্না, কংলবা নাপীনাখল্লবা বনবু চাকথেক্রকপা মৈগী মৈনিন্-মখোল-গুম্ আকনা কনা পূমনিন নিনখি ॥৪৬॥ তেল লিশিং লিশিং লখা লখানা অমুক অমুক্তদা তবকপগুদ লাকফম্ মৈমাযংক অহু খোঙথাফম্ মৈরকত্রে। নোংমদোন মকোযম্ তেল্লা পূমথল পনখ্রে ॥৪৬॥ সাত্যকিনা লাকচরক্কাদাবা মতৌহু উবদা কর্ণনা দুর্য্যোধনবু কনগে হায়রবগী দমক দুর্য্যোধনলোমদা চঙশিল্লকই ॥৪৭॥ কর্ণনা চঙশিল্লকপসি উবদা কল্লবা ভীমসেন অসি তমিন্না যেহুনা কৈপাকপা ঙম্মদ্রে। অহুগা ভীম অসি খোর খোরবা তেল মশীং লাকচুমদনা কাপাশন কাপাশল্লা কর্ণ মহু মু ভুলকই ॥৪৯॥ ভীমনা চঙশিল্লকপসি উবদা কর্ণনা নোল্লা-নোল্লা ভীমবা কপশিল্লকলবা [illegible] ভীমগী তেলগা লোথনবা লীকংভুবু ককথংলগা ভীমগী সারথিদ কল্ল [illegible] ॥ পাণ্ডবকীমচানিপ ভীমনা পোইদোক্লা শাউখিহুনা চাউরবা গদ অমা [illegible] কর্ণগী [illegible] কিবাল অহুবু সারথিবু মকূপ তানা নৈখাইখি ॥৫০॥ অহুদগী অমুক ভীমন [illegible] পাখথংহুনা চক্রগুম্ উকরুক লৈহুনা কর্ণগীবন অহুদা [illegible] ॥ [illegible] কর্ণস মাগী রথ অত্তেকপা অহুনী মখক্তগী থক্ চোংপদে, লেঙদনা [illegible] ॥৫১॥ মতম থাহুদা, চাকা অমতা পানবা তুমিংকী বথবু শগোল [illegible] চিংহুনা পুংচুগম্ম, কর্ণগী চাকা [illegible] রথ অহুবু শগোলশিং অহুনা কাযচিং চিহুনা পুশি ॥৫২॥

অসগুম্বা অনক্ক [illegible] কর্ণনা ভীমদা হল্লা হল্ল কাপলক্লা। ভীমসু হল্লা হল্লা কর্ণদ [illegible] ॥৫৩॥ অমুম শরবক্লবা মতাংসিদা যুধিষ্ঠিরনা পাঞ্চাল অমাদ মৎস্যদশগী লাম্মীশিদ অসুম লাউহুনা হায়রকই ঃ ॥৫৪॥ 'লাম্মীশা। ঐ থাযগী দবাইগা মাম্নরবা ঐখোযগী

যে নঃ প্রাণাঃ শিরো যে নো যে নো যোধা মহারথাঃ ।
ত এতে ধার্ত্তরাষ্ট্রেণ বিষক্তাঃ পুরুষর্ষভাঃ ।৫৫।

কিং তিষ্ঠত যথা মূঢাঃ সর্ব্বে বিগতচেতসঃ । তত্র গচ্ছত যত্রৈতে যুধ্যন্তে মামকা রথাঃ ।৫৬।
ক্ষত্রধর্ম্মং পুরস্কৃত্য সর্ব্ব এব গতজ্বরাঃ । জয়ন্তো বধ্যমানাশ্চ গতিমিষ্টাং গমিষ্যথ ।৫৭।
জিত্বা বা বহুভির্যজ্ঞৈর্যজধ্বং ভূরিদক্ষিণৈঃ । হতা বা দেবসাদ্ভূত্বা লোকান্ প্রাপ্স্যথ পুষ্কলান্ ।৫৮।
তে রাজ্ঞা চোদিতা বীরা যোৎস্যমানা মহারথাঃ । ক্ষত্রধর্ম্মং পুরস্কৃত্য ত্বরিতা দ্রোণমভ্যয়ুঃ ।৫৯।
পাঞ্চালাস্ত্বেকতো দ্রোণমভ্যঘ্নন্ বহুভিঃ শরৈঃ । ভীমসেনপুরোগাশ্চাপ্যেকতঃ পর্য্যবারয়ন্ ।৬০।
আসংস্তু পাণ্ডুপুত্রাণাং ত্রয়ো জিহ্মা মহারথাঃ । যমৌ চ ভীমসেনশ্চ প্রাক্রোশংস্তে ধনঞ্জয়ম্ ।৬১।
অভিদ্রবার্জ্জুন । ক্ষিপ্রং কুরূন্ দ্রোণাদপানুদ । তত এনং হনিষ্যন্তি পাঞ্চালা হতরক্ষিণম্ ।৬২।
কৌরবেয়াংস্ততঃ পার্থঃ সহসা সমুপাদ্রবৎ । পাঞ্চালানেব তু দ্রোণো ধৃষ্টদ্যুম্নপুরোগমান্ ।৬৩।

পঙ্কগী মকোক ওইনা লৈরিবা লান্মীশিং অসিনা হৌজিক্ অকনবা লাঞ্জাওদা থরাই থুবাক্ত হাপ্তুনা শোক্লরি। মসিদা অকনবশিং নখোয়না করিগী দমক লালকম আসদা, চোংশিল্লিরবনো? অকনবশিং অয়াম্বনা হৌজিক দুর্য্যোধনগা যায়া কন্না থেনজুনা লৈরি ॥৫৫॥ অদুনা, লান্মীশা! অকনবা পূন্নমক! তুক্কক তুকাই চন্দুনা তৌকম খঙদনা লৈরবা করিগীনো? অকনবা রথীশিংনা শোক্লরিবা মফম্ অসি তান্না চঙশিল্লুবা করিগীনো? ॥৫৬॥ মযাম পূন্নমক ক্ষত্রিয় ধর্ম্মগী মানমর্য্যাদা ভাকতুনা, আকবা খাদোকতুনা শোরেনা! অসিগী লালকমদা য়েক্লবরু ওন্নবসু, যেক্লবনা হাংথ্রবসু পুন্য চেল্লবা লোক ফংগনি ॥৫৭॥ মী কয়া হাৎলুদুনা জয় ওইকবগী দমক দান দক্ষিণাগা লোয়নরবা যজ্ঞ কন্না তৌগনি। শিথ্রবসু জীবসিনা পুন্য চেল্লবা লোকত শোযদনা যৌখিগনি। অদুনা অনীমক্ত ঈতোংতোংজবনি ॥৫৮॥ যুধিষ্ঠিরনা অমুম হায়না লাউবক্লবদা পাঞ্চাল অমাদ মৎস্যদেশগী লান্মী পূন্নমক দ্রোণ তম্না ফুজিন্নারি ॥৫৯॥ পাঞ্চাল লান্মীশিংনা তোঙ্চনাদুনা দ্রোণদা অতৈ অথম্ লৈতনা থাজিনখি। নাকল অমদ ভীমসেননা কৌরব লান্মীশিংবু খিন্দুনা দ্রোণ লোমদা চঙশিনহন্দনা থমখি ॥৬০॥ পাণ্ডবশিংগী মনুংদা ভীম নকুল সহদেব অহুম অসি মরোৈশানা স্বভাবতা থর খোয়বগুম্বা অমতেই। অদুনা মখোয়না করি হায়না লাউরকপগে হায়বদু:— "অর্জ্জুন! অর্জ্জুন! খুনা য়াঙনা চেল্লকউ! চেল্লকউ! দ্রোণগী মনাক্তা অকোয়বদা লৈরিবা কৌরব লান্মীশিং আসবু তকথোকলো লাউ! অদুদগী মখোয়না চেস্থোবকপ মতমদুদ পাঞ্চাল লান্মীশিংনা মখোয়বু মরাইনা হাচ্চরান। অদুগা দ্রোণবুসু মখোয়গী রথী অযাম্ববু হাৎলবনি! ॥৬১-৬২॥ মাদু তাবদা অর্জ্জুন অসি থুনা য়াঙনা কৌরব লান্মীশিংনা লৈরিবা মফম অদু তান্না চেলশিল্লকই। অদুগা দ্রোণসু ধৃষ্টদ্যুম্নচিংবা পাঞ্চাল লান্মীশিংনা লৈরিবা অদোমদা ফুজল্লকই ॥৬৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং দ্রোণপর্ব্বণি
দ্রোণবধে সঙ্কুলযুদ্ধে দ্বিষষ্ট্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ।০। *

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা দ্রোণ পর্ব্বদা দ্রোণ বধগী মমুংদা সঙ্কুলযুদ্ধগী চামহুক্ক,নিথোইশুবা অধ্যায় লোইয়ে।

শ্রীমহাভারতম্

ত্রিষষ্ট্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ।

চামহুমফুহুমদোয়শুবা অধ্যায়

(দ্রোণগা ধৃষ্টদ্যুম্নগা অনীগী লাল)

সঞ্জয় উবাচ

পাঞ্চালানাং ততো দ্রোণোঽপ্যকরোৎ কদনং মহৎ।
যথা ক্রুদ্ধো রণে শক্রো দানবানাং ক্ষয়ং পুরা ॥১॥
দ্রোণাস্ত্রেণ মহারাজ! বধ্যমানাঃ পরে যুধি।
নাত্রসন্ত রণে দ্রোণাৎ সত্ত্ববন্তো মহারথাঃ ॥২॥
বধ্যমানা মহারাজ! পাঞ্চালাঃ সৃঞ্জয়াস্তথা।
দ্রোণমেবাভ্যযুর্ষ্যুদ্ধে মোহয়ন্তো মহারথম্ ॥৩॥
তেষাস্তু ছাদ্যমানানাং পাঞ্চালানাং সমন্ততঃ।
অভবদ্ভৈরবো নাদো বধ্যতাং শরবৃষ্টিভিঃ ॥৪॥
বধ্যমানেষু সংগ্রামে পাঞ্চালেষু মহাত্মনা।
উদীর্য্যমাণে দ্রোণাস্ত্রে পাণ্ডবান্ ভয়মাবিশৎ ॥৫॥

সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ! মমাঙৈদা ইন্দ্রনা দৈত্যদানব পুম্নমক্কী মাঙনতাকুব তৌরকপহুগুম্না শাউরবা দ্রোণাচার্য্যনসু পাঞ্চাল লান্মী পুম্নমক্কী মাঙনতাকুবা তৌরকলে ॥১॥ মহারাজ! দ্রোণনা কনা য়াম্না কন্না লান্মীশিংবু হাচ্ছিল্লকইদি হায়ববু পাণ্ডব লান্মীশিংনা মাবু থোইদোক্না কিকুবা তৌদে ॥২॥ মহারাজ! দ্রোণনা পাণ্ডব পক্ষগী লান্মীশিংবু অতুক্কী মতীক কন্না হাচ্ছিল্লকুগা পাঞ্চাল অদুগা সৃঞ্জয় লান্মীশিংনা অতুক্কী মতীক শাফু কন্না মনম মনম্ মপৈ মপৈ হোচ্ছিল্লকপা হেল্লি ॥৩॥ অদুবু দ্রোণগী খুৎলায় মপৈনা পান্‌বদা, অকনবা চৈনা ফংবদা, পাণ্ডব লান্মীশিং অত্ত চৈনঃ খাঙবা ঙমদহুনা লাউ খোংবা হৌরক্লে ॥৪॥ মহাত্মা ওইরবা, সান্দা থম্মোয় কল্ল-চাউরবা দ্রোণনা পাঞ্চাল্ লান্মীশিংবু অসুম হাচ্ছিল্লকপাসি উবদা পাণ্ডবশিংগী পুক্কিংদা অাকবা

দৃষ্ট্বাশ্বনরযোধানাং বিপুলঞ্চ ক্ষয়ং যুধি। পাণ্ডবেয়া মহারাজ! নাশশংসুর্জয়ং তদা ॥৬॥
কচ্চিদ্দ্রোণো ন নঃ সর্ব্বান্ ক্ষপয়েৎ পরমাস্ত্রবিৎ। সমিদ্ধঃ শিশিরাপায়ে দহন্ কক্ষমিবানলঃ ॥৭॥
ন চৈনং সংযুগে কশ্চিৎ সমর্থঃ প্রতিবীক্ষিতুম্। ন চৈনমর্জ্জুনো জাতু প্রতিযুধ্যেত ধর্ম্মবিৎ ॥৮॥
ত্রস্তান্ কুন্তীসুতান্ দৃষ্ট্বা দ্রোণসায়কপীড়িতান্। মতিমান্ শ্রেয়সে যুক্তঃ কেশবোঽর্জ্জুনমব্রবীৎ ॥৯॥
নৈষ যুদ্ধেন সংগ্রামে জেতুং শক্যঃ কথঞ্চন। সধনুর্ধন্বিনাং শ্রেষ্ঠো দেবৈরপি সবাসবৈঃ।
ন্যস্তশস্ত্রস্তু সংগ্রামে হন্তুং শক্যো ভবেন্নৃভিঃ ॥১০॥
আস্থীয়তাং জয়ে যোগো ধর্ম্মমুৎসৃজ্য পাণ্ডবাঃ।। যথা বঃ সংযুগে সর্ব্বান্ ন হন্যাদ্রুক্মবাহনঃ ॥১১॥
অশ্বত্থাম্নি হতে নৈষ যুধ্যেদিতি মতির্মম। তং হতং সংযুগে কশ্চিদস্মৈ শংসতু মানবঃ ॥১২॥
এতন্নারোচয়দ্রাজন্! কুন্তীপুত্রো ধনঞ্জয়ঃ। অন্যে ত্বরোচয়ন্ সর্ব্বে কৃচ্ছ্রেণ তু যুধিষ্ঠিরঃ ॥১৩॥
ততো ভীমো মহাবাহুরনীকে তে মহাগজম্। জঘান গদয়া বাজন্নশ্বত্থামানমিত্যুত।
পরপ্রমথনং ঘোরং মালবস্যেন্দ্রবর্ম্মণঃ ॥১৪॥

অঙকপা চিংনবা পোকপলকলে ॥৫॥ পাণ্ডব পক্ষী শংগোল শামু রথ খোঙমী লাম্মী অয়াম্বা তুম্‌শিল্লকলবন্দ্রদা পাণ্ডুগী মচাশিং অসি জয় ওইগনি হায়বগী আশা থাদোরকলে ॥৬॥ পাণ্ডব পক্ষগী লাম্মীশিংনা অশুম্না হায়নরকই :— "নিংথম্‌থা লোইরকপদা লম্মৈনা মৈরি কংনা চাকহুনা কংলবা নাপী মপেবু চাকথেকখিবা অদুগুম্না—দ্রোণনা ঐংথায় পুম্বু চাকাত চাকথেকখিরোইনকো।" ॥৭॥ "কনাগুম্বা পাণ্ডব লাম্মী অমতনা দ্রোণদা হন্‌ংনমক্ত য়েংবা ঙমশিল্লকত্রে। অদুগা ধর্ম্ম কায়দনা লাল শোক্লবা অর্জ্জুননসু কৈদোঙৈদসু মাগী গুরু দ্রোণগা মুখামুখি ওইনা থেংনরোইদৌরি।" ॥৮॥ মতমগী মতুং ইন্না মরৈমর চাউবগী বুদ্ধি অমদি কর্ম্মত্ত তৌবা কৃষ্ণনা, পাণ্ডব লাম্মীশিংনা দ্রোণগী চৈনা থাঙব ঙমদত্নুনা চেম্নবা শিনবহু উবদা, অর্জ্জুন য়েংহুনা করি হায়রকপগে হায়বনু—॥৯॥ "অর্জ্জুন! জগৎকী লাম্মী শংগী মন্নুংদা অপোইবা দ্রোণ হায়বা নিপাসিনা দীরুবু থুহুম চেৎনা পায়দনা শম্না হেক মরেপথ্রবদি ইন্দ্রগা লোয়নবা লাইম্নামমক্লমু মাবু জয় তৌনা ঙমদবনকো। অদুগা থুংলায় থাদোকহুনা লৈরবদি মীচম্ অমনমু মাবু ঈরায় লায়না হাৎকনি" ॥১০॥ মরম অদুনা পাণ্ডব পুম্নমক! লালকমদা মেরুবনু করি মওং অমদা হাৎলগা লোইরে হায়বা ধর্ম্ম নীতিরোমদা পোক্কনা মেংদনা নীত অদুদা তোংহুনা দ্রোণনা মথাম্মু হাক্রিচৈংসদা মাবু মাঙখিননবা চৌ ॥১১॥ ঐনা অম্মুম খনবদা অশ্বত্থামা হেক শিবদা দ্রোণ অসি থুংলায় থাদোগ্রগদবনি। অমুক হন্না লাস শোক্লররোই। অদুগা অশ্বত্থামা অসি হায়রা সিরোইদৌরবা মীশক অমনি। অদুনাদি কনাগুম্বা অমনা "অশ্বত্থামা শিরে" হায়বা পাউসি দ্রোণদা থুনা য়াঙনা তাহন্নবা চৌ ॥১২॥ মহারাজ! কৃষ্ণনা তৌদোরকপবা য়াংস অর্জ্জুন য়ানিংদে। অতে লাম্মী শংনদ থাই। যুধিষ্ঠিরনা য়ানিং য়ানদনা য়াবগুম্ তুমিন লৈ ॥১৩॥ মহারাজ! অম্মুম তৌরিঙৈদা মপাম্বোম কল্লবা ভীমনা কৌরব পক্ষগী মালব নিংথৌ ইন্দ্রবর্ম্মাগী

ভীমসেনস্তু সব্রীড়মুপেত্য দ্রোণমাহবে। অশ্বত্থামা হত ইতি শব্দমুচ্চৈশ্চকার হ ॥১৫॥
অশ্বত্থামেতি হি গজঃ খ্যাতো নাম্না হতোঽভবৎ কৃত্বা মনসি তং ভীমো মিথ্যা ব্যাহৃতবাংস্তদা ॥১৬॥
ভীমসেনবচঃ শ্রুত্বা দ্রোণস্তৎ পরমাপ্রিয়ম্। মনসা সন্নগাত্রোঽভূদ্‌যথা সৈকতমম্ভসি ॥১৭॥
শঙ্কমানঃ স তন্মিথ্যা বীর্য্যজ্ঞঃ স্বসুতস্য তু। হতঃ স ইতি চ শ্রুত্বা নৈব ধৈর্য্যাদকম্পত ॥১৮॥
স লব্ধ্বা চেতনাং দ্রোণঃ ক্ষণেনৈব সমাশ্বসৎ। অনুচিন্ত্যাত্মনঃ পুত্রমবিষহ্যমরাতিভিঃ ॥১৯॥
স পার্ষতমভিদ্রুত্য জিঘাংসুর্ম্ত্যুমাত্মনঃ। অবাকিরৎ সহস্রেণ তীক্ষ্ণানাং কঙ্কপত্রিণাম্ ॥২০॥
ভূয়শ্চান্যৎ সমাদায় দিব্যমাঙ্গিরসং ধনুঃ। শরাংশ্চ ব্রহ্মদণ্ডাভান্ ধৃষ্টদ্যুম্নমযোধয়ৎ ॥২১॥
ততস্তং শরবর্ষেণ মহতা সমবাকিরৎ। ব্যশাতয়চ্চ সংক্রুদ্ধো ধৃষ্টদ্যুম্নমমর্ষণম্ ॥২২॥
শরাংশ্চ শতধা তস্য দ্রোণশ্চিচ্ছেদ সায়কৈঃ। ধ্বজং ধনুশ্চ নিশিতৈঃ সারথিঞ্চাপ্যপাতয়ৎ ॥২৩॥
ধৃষ্টদ্যুম্নঃ প্রহস্যান্যৎ পুনরাদায় কার্ম্মুকম্। শিতেন চৈনং বাণেন প্রত্যবিধ্যৎ স্তনান্তরে ॥২৪॥
সোঽতিবিদ্ধো মহেষ্বাসঃ সংভ্রান্ত ইব সংযুগে। ভল্লেন শিতধারেণ চিচ্ছেদাস্য পুনর্ধনুঃ ॥২৫॥

চাউরবা শামু অমু গদানা থোংদুনা হাৎলে। শামু অদুগী মমিং অশ্বত্থামা কৌই। শামু অদুসু দ্রোণগী মচা অশ্বত্থামাগুম্না য়েক্লবপুম্ববু নৈখাইরম্বা অকিবগী মশক ফংলবা শামুনি ॥১৪॥ অদুগী তুংদা ভীমনা ঈকায়রপ তৌনা তৌনা দ্রোণগী মনাক চুরাইদা "অশ্বত্থামা শিরে! শিরে!" হায়না হেক লাউরকই ॥১৫॥ শিারবদি অশ্বত্থামা কৌবা শামুনিকো। হায়বসি মবুক্ত খল্ল খল্লা ভীমনা মীনম্বা রাসি হায়খি ॥১৬॥ ভীমগী মচীন্দগী রাসি তাবদা দ্রোণ অ'স নৈঙোই সেক্তা মথক্তা ঈখক্লা হাইগৎতুনা থনম্বা ডাগী মতৌগুম্না হকচাং পুম্বদা চোকশখি ॥১৭॥ অদুবু মচানিপা অশ্বত্থামাগী বিদ্যা অমদি মথৌনাদু অসুম খল্লুবদা ভীমনা হায়বত্তদা থোইনা থাজবা ও রুদনা লান্দগী হনগে হায়বসিদি নীঙদে, নীঙবা কায়দনা মবুকচেলবু কাজিন্দুনা লৈ ॥১৮॥ যেক্লবশিংনা পাক পাক ভস্মোইদোবা অশ্বত্থমানিকে। হায়বসি খল্লুবদা দ্রোণ অসি অমুক ঈখবকই ॥১৯॥ দ্রোণনা মতম অদুদা অশ্বত্থামা শিরে হাযবা পাউ অদুদা থোইনা খল্লুদনা মাগী মৃত্যুশরগী মশক ওইরবা ধৃষ্টদ্যুম্নদা হল্লা হল্লা কাপ'শিল্লকই ॥২০॥ অদুগী তুংদা দ্রোণনা মাগী অচম্বা লীরু অমু থাদোবতুনা অঙ্গিরানা পুথোকখিবা ব্রহ্মদণ্ডগা মান্নরবা, মীরম্লেন্দ নৈতবা লীক' অমু পায়খক্তুনা ধৃষ্টদ্যুম্নদা তেল্লা বল্লা থাজিল্লকই ॥২১॥ থোইনা শাউরবা দ্রোণাচার্য্যনা ধৃষ্টদ্যুম্নগী মথক্তা তেল্লা নো চুবগুম্ হৈথরক্লপসিদা ধৃষ্টদ্যুম্নগী মশাপুম্ব ঈহং নাইহং শাখ্রে ॥২২॥ অদুগী তুংদা দ্রোণনা থৌরবা তেলগী মপৈ অমা কাপশিল্লকতুনা ধৃষ্টদ্যুম্নগী লীকং তেল, কিরাল লোইনা ককথৎলগা সারথীবুস্ন লৈমায়থক্ত তুহনখি ॥২৩॥ মতম অদুদ করিমত কিবিদনা ধৃষ্টদ্যুম্ননা অতেপ্পা লীরুং তমা পাযখৎলগা তা মচীন শাবা থৌরবা তেল তমনা দ্রোণগী থজীন্দ নল্লা থাখি ॥২৪॥ মতম্ অদুদা বল্লবা দ্রোণ অসি য়াম্ন বল্লা শাথিনা পানমন'খবদুদ ফেৎ ফৎ

যচ্চাস্য বাণবিকৃতং ধনুঃখি চ বিশাংপতে । । সর্ব্বং চিচ্ছেদ দুর্দ্ধর্ষো গদাং খড়্গঞ্চ সর্ব্বশঃ ॥২৬॥
ধৃষ্টদ্যুম্নঞ্চ বিব্যাধ নবভির্নিশিতৈঃ শরৈঃ । জীবিতান্তকরৈঃ ক্রুদ্ধঃ ক্রুদ্ধরূপং পরন্তপঃ ॥২৭॥
ধৃষ্টদ্যুম্নরথস্যাশ্বান্ স্বরথাশ্বৈর্মহারথঃ । ব্যামিশ্রয়দমেয়াত্মা ব্রহ্মাস্ত্রমুদীরয়ন্ ॥২৮॥
তে মিশ্রা বহুশোভন্ত জবনা বাতরংহসঃ । পারাবতসবর্ণাশ্চ শোণাশ্চ ভরতর্ষভ । ॥২৯॥
যথা সবিদ্যুতো মেঘা নদন্তো জলদাগমে । তথা রেজুর্মহারাজ । মিশ্রিতা রণমূর্দ্ধনি ॥৩০॥
ঈশাবন্ধং চক্রবন্ধং রথবন্ধং তথৈব চ । প্রাণাশয়দমেয়াত্মা ধৃষ্টদ্যুম্নস্য স দ্বিজঃ ॥৩১॥
স ছিন্নধন্বা পাঞ্চাল্যো নিকৃত্তধ্বজসারথিঃ । উত্তমামাপদং প্রাপ্য গদাং বীরঃ পরামৃষৎ ॥৩২॥
তামস্য বিশিখৈস্তীক্ষ্ণৈঃ ক্ষিপ্যমাণাং মহারথঃ । নিজঘান শরৈর্দ্রোণঃ ক্রুদ্ধঃ সত্যপরাক্রমঃ ॥৩৩॥
তাং দৃষ্ট্বা তু নরব্যাঘ্রো দ্রোণেন নিহতাং শরৈঃ । বিমলং খড়্গমাদত্ত শতচন্দ্রঞ্চ ভানুমৎ ॥৩৪॥
অসংশয়ং তথাভূতে পাঞ্চাল্যঃ সাধ্বমন্যত । বধমাচার্য্যমুখ্যস্য প্রাপ্তকালং মহাত্মনঃ ॥৩৫॥

লাউনা খাণ্ডন খাণ্ডনা থৌমবা তেল অম কাপলকতুনা ধৃষ্টদ্যুম্নগী লীরুং ত্থুমবুস্থ ককথৎখি ॥২৫॥ মহারাজ। কল্লবা দ্রোণনা ধৃষ্টদ্যুম্নগী লীরুং তেল তেন্দোং লোয়না ককথৎখি। অদুবু গদাগা খাণ্ডশাং অদুগদি ককথৎখিদে ॥২৬॥ মতম অদুদা শাউরবা দ্রোণনা মীগী থরাই চুপথোকপা ওমংদবা থৌরবা তেলমাপল শৎতুনা ধৃষ্টদ্যুম্নদা থাখি মহারথী ওইরবা, করামুক কনবগে হায়বদু হায়কম্ থোক্লবা, দ্রোণনা ব্রহ্মাস্ত্র পুথোক্কে হায়বগীদমক মাগী রথগী শগোলশিং অদুগা ধৃষ্টদ্যুম্নগী রথগী শগোল-শিং অদুগা ক্রক ক্রক ঈছিন্নহনখ্রে ॥২৮॥ ভরতশাগেগী অথোইবা। মতম অদুদা নুংশিংকী মমাঙ থানা চেনব ওন্বগী শক্তি পূরবা, য়ুমকী উৎমানবী থুমুগী মচু পুরবা শগোলশিংদুগা ঈগী মতোঙ্গম ভাঙলবা শগোলশিং অদুগা অমগমগা ক্রক ক্রক তকশিন্নদুনা য়েচ্ছিন্নবদুমক্তি য়েংবদা ওস্থোক্লা নীঙথিজে ॥২৯॥ মহারাজ! বর্ষাগী মতমদা নোংমদোম্বক্ত পাইবা, নোংথাংনা মরক মরক্ত কূপশিনবা নোং মতুম মতুম্না থেংজিন্নবদুগুম্না শগোলশিং অদুনা থেংজিন্নবদু য়েংবদা থোইদোক্লা নীঙথিজে ॥৩০॥

অদুগী তুংদা হায়ক্কম্ খণ্ডনা কল্লবা দ্রোণনা ধৃষ্টদ্যুম্নগী রথগী চাউরবা চাকুলেন, চাকা অদুগা চাকলেন মথক্তা নল্লিবা রথদুমক্কী পুন্শিল্-কাজিল্লিবা য়োৎলীশিং অদু থবৎথবৎ কক্-থৎখি ॥৩১॥ লীরুংসু, ফিরালসু অদুগা সারথী ফাওবা লোইনা কক্খ্রবদা ধৃষ্টদ্যুম্ন অসি থোইদোক্লা থুদোংথীবদা তারদুনা গদা অমা পায়খৎলক্ই ॥৩২॥ ধৃষ্টদ্যুম্ননা গদা অদু দ্রোণলোমদা লংশিনুগে হায়না তেক তৌবদা মহারথী ওইরবা থাঙ্গেশেংনা মশানা কঞ্জরবা, দ্রোণাচার্য্যনা মচৌন্দা মৈহৌরবা, থৌরবা তেল অমা কাপ্শিল্লক্লুনা গদা অদুবু উং ওইনা মাগ্রহনখি ॥৩৩॥ গদা অদু মাঙখিবা উবদা থোইদোক্লা শাউরবা ধৃষ্টদ্যুম্ননা মাগী থাগী ময়েক্ চামাথোক্লা সনানা বুট্ খিল্লবা (হাজংয়ৈরবা) থাঙশাং অদুগা লংলবা চুঙ্গোয় অদুগা হেক পায়খৎলি ॥৩৪॥ মতম অসিদা মহাত্মা ওইরবা দ্রোণগী হাৎননগী মতম ওইরে, শোয়দ্রে—অসুম্ হায়না ধৃষ্টদ্যুম্ন চপ্ য়ুংনা খল্লক্লে ॥৩৫॥

ততঃ স্বরথনীড়স্থঃ স্বরথস্য রথেষয়া। আগচ্ছদসিমুদ্যম্য শতচন্দ্রঞ্চ ভানুমৎ ॥৩৬॥
চিকীর্ষুর্দুষ্করং কর্ম্ম ধৃষ্টদ্যুম্নো মহারথঃ। ইয়েষ বক্ষো ভেত্তুং স ভারদ্বাজস্য সংযুগে ॥৩৭॥
(যুগ্মকম্)

সোঽতিষ্ঠদ্যুগমধ্যে বৈ যুগসন্নহনেষু চ। জঘনার্দ্ধেষু চাশ্বানাং তৎ সৈন্যাঃ সমপূজয়ন্ ॥৩৮॥
তিষ্ঠতো যুগপালীষু শোণানপ্যধিতিষ্ঠতঃ। নাপশ্যদন্তরং দ্রোণস্তদদ্ভুতমিবাভবৎ ॥৩৯॥
ক্ষিপ্রং শ্যেনস্য চরতো যথৈবামিষগৃদ্ধিনঃ। তদ্বদাসীদভীসারো দ্রোণপার্ষতয়ো রণে ॥৪০॥
তস্য পারাবতানশ্বান্ রথশক্ত্যা পরাভিনৎ। সর্ব্বানেকৈকশো দ্রোণো বক্রানশ্বান্ বিবর্জয়ন্ ॥৪১॥
তে হতা ন্যপতন্ ভূমৌ ধৃষ্টদ্যুম্নস্য বাজিনঃ। শোণাস্তু পর্য্যমুচ্যন্ত রথবন্ধাদ্বিশাংপতে ॥৪২॥
তান্ হয়ান্ নিহতান্ দৃষ্ট্বা দ্বিজাগ্র্যেণ স পার্ষতঃ। নামৃষ্যত যুধাংশ্রেষ্ঠো যাজ্ঞসেনির্মহারথঃ ॥৪৩॥

অদুদগীদি ধৃষ্টদ্যুম্ন অসি, অমনা পাক্ ত্তোবা ওন্দ্রবা থবক অমা তৌরগে খল্লুনা, মাগী পাকচাউববা লংলবা চুঙ্গোয় অদু খুঠম্ চেৎনা পায়রগা থাচামা য়েক্লবা থাওপাং অদু হাইগত্তুনা মাগী রথগী মমাওথংবা, শগোলগী কাবক্তা থিন্দোকুলক্পলবা উ-মচাক্ অনীহুদা মখোঙ নাম-নাম থম্হুনা, থাওশাং অদু দ্রোণগী মথংনাক্ মপাচানা চীঙ্হুনা রথ অদু দ্রোণতম্না থোজিল্লকুই ॥৩৬-৩৭॥
অদুদগী অসুম চঙাশল্লক্নুনা দ্রোণগী শগোলাশং অদুগী তুং ওইরপ্পা প্রপ্রপ থোজিল্লক্তুনা শগোলশিং অদুগী মতুংদা কৈনা লৈরিবা উ অদুদা মখোঙ্ নাম থম্লগা খোঙনামনা মাগী ওসাইগী চাক্লেন অদুদা থম্লগা থাঙ্ হাইগত্তুনা চপ লেপতুনা লৈ। ধৃষ্টদ্যুম্নগী মরিল মথৌনাগী থবক্ আস উবদা কৌরবপাণ্ডবপক্ষ অনীমক্তা লাম্মীশিংনা থরাই হক্চাং অমতা ওইনা মাবু থাগৎনখি ॥৩৮॥
ধৃষ্টদ্যুম্ন আস মাগী রথগী মমাওথংবা উ অদুদা, দ্রোণগী শগোলগীদি মতুংদা চপ লেপতুনা থাঙ্ হাইগৎতুনা লৈবত্ত ফাওবা দ্রোণদা যানবগী অহোবা তাঙ্গ্রা অদু ঈকং কংখিদে। মাদুমক্তু অঙকপা অমা ওইনা থোক্খি ॥৩৯॥ অদুদগীদ দ্রোণ ধৃষ্টদ্যুম্ন অসি ফুকফুক্ হোগৎনদুনা অমগমগা ক্রেক ক্রেক তরবকলে শঙুম্ অমবু মুন্নবগীদমক মশাগমশাগ কন্থনরকপা, মচীন্গা মচীন্গা চীক্লক্পা খুণুঙ্খঙ্ অনীগুম্ অকনবা অনীস থেংনরক্লে ॥৪০॥ মতম্ অদুদা দ্রোণনা মাগী ঈগী মতৌগুম্ ঙাঙলবা শগোলাশং অদু থাদোকাখত্তুন, যাম্না খুংলৈ থুনা, তা অমা পায়খত্তুনা ধৃষ্টদ্যুম্নগী উং মচু মাল্লবা শগোলশিং অদুদা কৈ-রংননা থিনখি ॥৪১॥ মহারাজ! ধৃষ্টদ্যুম্নগী শগোলশিং অদু লৈমায়থক্তা শিদুনা তুথরদা, দ্রোণগী ঙাঙলবা শগোলশিং অদুস্থু ধৃষ্টদ্যুম্নগী রথবন্ধন অদুদা যেচ্ছন্দুনা নাত্তোকপা ওমদনা লৈরম্বদু নাথোকখ্রে ॥৪২॥ মাগী শগোল মরি হাৎখিবদু উবদা লাম্মী অথোইবা, মরিল মথৌনা লৈরবা যজ্ঞসেননন্দন ধৃষ্টদ্যুম্ন অ স মাদু য়েংহুনা খাওহুনা লৈবা

বিরথঃ স গৃহীত্বা তু খড়্গং খড়্গভৃতাং বরঃ। দ্রোণমভ্যদ্রবদ্রাজন্। বৈনতেয় ইবোরগম্ ॥৪৪॥
তস্য রূপং বভৌ রাজন্। ভারদ্বাজং জিঘাংসতঃ। যথা রূপং পুরা বিষ্ণোর্হিরণ্যকশিপোর্বধে ॥৪৫॥
স তদা বিবিধান্ মার্গান্ প্রবরাংশ্চৈকবিংশতিম্। দর্শয়ামাস কৌরব্য। পার্ষতো বিচরন্ রণে ॥৪৬॥
ভ্রান্তমুদ্ভ্রান্তমাবিদ্ধমাপ্লুতং প্রসৃতং সৃতম্। পরিবৃত্তং নিবৃত্তঞ্চ খড়্গং চর্ম্ম চ ধারয়ন্।
সম্পাতং সমুদীর্ণঞ্চ দর্শয়ামাস পার্ষতঃ ॥৪৭॥
ভারতং কৌশিকঞ্চৈব সাত্বতঞ্চৈব শিক্ষয়া। দর্শয়ন্ ব্যচরদ্যুদ্ধে দ্রোণস্যান্তচিকীর্ষয়া ॥৪৮॥
চরতস্তস্য তান্ মার্গান্ বিচিত্রান্ খড়্গচর্ম্মিণঃ। ব্যস্ময়ন্ত রণে যোধা দেবতাশ্চ সমাগতাঃ ॥৪৯॥
ততঃ শরসহস্রেণ শতচন্দ্রমপাতয়ৎ। চর্ম্ম খড়্গঞ্চ সংবাধে ধৃষ্টদ্যুম্নস্য স দ্বিজঃ ॥৫০॥
তে তু বৈতস্তিকা নাম শরা আসন্নযোধিনঃ। নিকৃষ্টযুদ্ধে দ্রোণস্য নান্যেষাং সন্তি তে শরাঃ ॥৫১॥
ঋতে শারদ্বতাৎ পার্থাদ্দ্রৌণের্বৈকর্ত্তনাত্তথা। প্রদ্যুম্নযুযুধানাভ্যামভিমন্যোশ্চ ভারত! ॥৫২॥ (যুগ্মকম্)

ভস্মকত্রে ॥৪৩॥ মহারাজ! মতম অসিদা থাওপায়বা লাম্মীশিংগী মনু দা অথোইবা ধৃষ্টদ্যুম্ননা মাগী রথ অদু থাদোকলম্দুনা, থাওশাং অমা পায়খৎতুনা গরুড়না লিল্ তম্না পাইখিবদুগুম্না দ্রোণ তম্না ফুজনখি ॥৪৪॥ মহারাজ! মমাঙৈদা বিষ্ণুনা হিরণ্যকাশিপু হাৎঙৈদা পুখিবা মূর্ত্তিদুগুম্না ধৃষ্টদ্যুম্নস্ মতম অসিদা ওঙ্খোক্লা অকিবা কংলবা মূর্ত্তি অমা পুাখ ॥৪৫॥ কৌরবনন্দন! মহারাজ! মতম অসিদা, ধৃষ্টদ্যুম্ননা দ্রোণগী মাঙদা কাতুকারগ চৎতুনা, থাওগী বাক্ মথল্ কুনমাথোইগী মপুংদা তরাহুম্দোই শুবা থাওগী কিদুপ অদুগী খাক্তা য়োরকলে ॥৪৬॥ তায়বদি, মহ রু চুঙোয়গা খুদুম্ চেৎনা পায়দুনা অতানবদা লৈবা, চোংখৎপা, চঙশিনবা চোংথোকপা, নাকলদা, তাইজিনবা, হায়দোকপা, কোয়রৈলৈবা মাদু অমুক হন্দোকপা, চোঙশিনবা, থেরবতম্না থাওদোন উংতুনা পাক্টশিনবা হায়রিবা থাওগী খোঙকম্ (লম্বী) তব অ'স উং'ল ॥৪৭॥ অদুদগী অমুক দ্রোণবু হাৎলগে হায়না খনখিদুনা—থাওগী বিদ্যাগী গুণনা ভরত, কৌশিক, সাত্বত কৌনা কিদুপ অদুম্ অসি উংতুনা ধৃষ্টদ্যুম্ননা দ্রোণগী মাঙদা হঙ্গৎহন্দা চৎপা তৌবকলে ॥৪৮॥ থাও তৈরবা থাও চুঙোয় পায়বা, অকনবা ধৃষ্টদ্যুম্ননা অসুম্না লালফম্দ লৈবসি উবদা লালকম্দা লৈারবা লাম্মীশিং অদুগা নোংমদোন থক্ত কুম্মৈ য়েংলিবা লাইখামশি অদু থোইনা ঙরগি ॥৪৯॥ মতম অদুদা দ্রোণনা তেলগী মপৈ মনম্ মনম্ কাপশিল্লকতুনা ধৃষ্টদ্যুম্নগী মখুত্তগী থাও চুঙোয় অনীমক লৈমায়গক্ত তাহনখি ॥৫০॥ মতম অসিদা দ্রোণনা শীজিন্নরকপা তেলশিং অ সগী মমিং বৈতসিক কৌই। মখোয়সি হাকথেংনা শোন্নরকপ মতম্তদা শীজিন্নবা খুৎলায়মক্তান। মাসি তৈবা খঙ্বসি মতম অসিদা দ্রোণ, কৃপ, অর্জ্জুন, অশ্বত্থাম, কর্ণ, প্রদ্যুম্ন, সাত্যকি, অভিমন্যু মখোয়সিতনি। মখোয়সি নত্তবা! অতৈগীদি খুৎলায়শিং অসি শীজিন্নবদুগী অভ্যাস লৈতে, অতৈশিংদুগী মশাদা খুৎলায়

অথাক্ষেবুঃ সমাধত্ত দৃঢ়ং পরমসম্মতম্। অন্তেবাসিনমাচার্য্যো জিঘাংসুঃ পুত্রসম্মিতম্ ॥৫৩॥
তং শরৈর্দশভিস্তীক্ষ্ণৈশ্চিচ্ছেদ শিনিপুঙ্গবঃ। পশ্যতস্তব পুত্রস্য কর্ণস্য চ মহাত্মনঃ।

গ্রস্তমাচার্য্যমুখ্যেন ধৃষ্টদ্যুম্নমমোচয়ৎ ॥৫৪॥

চরন্তং রথমার্গেষু সাত্যকিং সত্যবিক্রমম্। দ্রোণকর্ণান্তরগতং কৃপস্যাপি চ ভারত।।

অপশ্যেতাং মহাত্মানৌ বিষ্বক্সেনধনঞ্জয়ৌ ॥৫৫॥

অপূজয়েতাং বার্ষ্ণেয়ং ব্রুবাণৌ সাধু সাধ্বিতি। দিব্যান্যস্ত্রাণি সর্ব্বেষাং যুধি নিঘ্নন্তমচ্যুতম্ ॥৫৬॥
ধনঞ্জয়স্ততঃ কৃষ্ণমব্রবীৎ পশ্য কেশব।। আচার্য্যরথমুখ্যানাং মধ্যে ক্রীড়ন্ মধুদ্বহঃ ॥৫৭॥
আনন্দয়তি মাং ভূয়ঃ সাত্যকিঃ পরবীরহা। মাদ্রীপুত্রৌ চ ভীমঞ্চ রাজানঞ্চ যুধিষ্ঠিরম্ ॥৫৮॥

(যুগ্মকম্)

যঃ শিক্ষয়ানুদ্ধতঃ সন্ রণে চরতি সাত্যকিঃ। মহারথানুপক্রীড়ন্ বৃষ্ণীনাং কীর্ত্তিবর্দ্ধনঃ।

তমেতে প্রতিনন্দন্তি সিদ্ধাঃ সৈন্যাশ্চ বিস্মিতাঃ ॥৫৯॥

অজয্যাং সমরে দৃষ্ট্বা সাধু সাধ্বিতি সাত্যকিম্।

অসিমকনা লৈসু লৈতে ॥৫১—৫২॥ অদুগী তুদা দ্রোণনা মাগী শিষ্য ওইরবা, অদুগা মচামচা পাংখক্ ওইরবা ধৃষ্টদ্যুম্নবু মহাৎলগে হায়না খন্দুনা কল্লবা, কৌরবা তেল অম মপা চুম্না সন্ধান তৌদুনা বাপ্প ॥৫৩॥ মহারাজ। দ্রোণনা কাপ্‌লকলিবা তেল্ অসিবু সাত্যকনা দুর্য্যোধনগা কর্ণগা অনীগী মমাঙ্‌মক্তদা, কৌরবা তেল তরানা ককৎথৎতুনা থাদখি। অসুম্না সাত্যকিনা ধৃষ্টদ্যুম্নবু দ্রোণগী মখুত্তগী নান্থাবৃতনখি ॥৫৪॥ ভরতনন্দন, মহারাজ। মতম্ অসিদা থাদৈশেংনা কল্লবা সাত্যকিন দ্রোণ—কর্ণ—কৃপ—সমস্ত সিগী মরক্তা হঙ্গৎহন্দা চৎতুনা লৈরবা কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীনা উ র ॥৫৫॥ অকনবা লাশ্মী অমনা ভগদব মথৌ অমদি ধর্ম্ম অচৎবু সাত্যকিনা লীকলম কায়দনা লালকমদা মপূক্‌পা করমত হন্দনা চৌগ্রনা লৈবদু উবদা কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীমক্তা "কজে! কজে! মরীম্‌ক চায" হায়না খোজেল খোক্তা লাউগ্রনা সাত্যকিবু থাগৎখি ॥৫৬॥ অদুগী তুংদা অর্জ্জুননা কৃষ্ণদা অসুম্ হায়রকই:—কৃষ্ণ! যেংঙু! সাত্যকি হায়বা, মধুশাংগী অথোইবা, যেরবা হাৎনবা নিপা অসনা দ্রোণকৃপনাচিংবা অকনবশিংগী মরক্ত মথন্ত কোয়চৎ চত্তুনা মথোয়গা শামবগুম লাম্লেংনহনা, যুধিষ্ঠির, ভীম, ঐ, নকুল সহদেব—পাণ্ডুগী মচা ঐখোযবু নুংঙাইহল্লি ॥৫৭—৫৮॥ বৃষ্ণি বংশগী মিংচৎ চ ওংবতনবা, সাত্যকিনা থোয়বা-নাপল কারমত থাওদনা অকনবগী মথৌত তৌরনা, ওয়া নাইনা ভমজরকপা মহৈগী পাম্বৈতনা লালক্ অসিদা কারমত কিবদনা শামবগুম্ লাম্থংনবসি উবদা সিদ্ধসাধ্যশিংনা অমগা পক্ক অসিমকৌ লান্মীশিংনা মহাকপু খোজেল খোক্ত থাগৎলে ॥৫৯॥ অমন ভক্তপ্রবা সাত্যকিনা মহাক্তা তৌরব সর্ম্মগী কমন।

যোধাশ্চোভয়তঃ সর্ব্বে কর্ম্মভিঃ সমপূজয়ন্ ।৬০।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং দ্রোণপর্ব্বণি

দ্রোণবধে দ্রোণধৃষ্টদ্যুম্নযুদ্ধে ত্রিষষ্ট্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ।০।*

— — —

ইহলোকসিমক্তদা পাক অনীমকী কাওবুনা মাবু "সাধু—সাধু।" হায়না প্রশংসা তৌরি। ॥৬০॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা দ্রোণপর্ব্বদা দ্রোণবধকী মনুংদা "দ্রোণধৃষ্টদ্যুম্নযুদ্ধ" গী চামহুম্ফুহুমদোইশুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

— — —

শ্রীমহাভারতম্

চতুঃষষ্ট্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ।

চামহুম্ফুমরিশুবা অধ্যায়।

(দ্রোণ হাৎপগী মতাং মথং)

সঞ্জয় উবাচ

ততশ্চতুর্দ্দিশং সৈন্যৈর্দ্রুপদস্যাভিসংবৃতঃ । নির্দ্দহন্ ক্ষত্রিয়ব্রাতান দ্রোণঃ পর্য্যচরদ্রণে ।১।
হত্বা বিংশতিসাহস্রান্ ক্ষত্রিয়ানরিমর্দ্দনঃ । দশাযুতানি তীক্ষ্ণাগ্রৈরবধীদ্বিশিখৈঃ শিতৈঃ ।২।
সোঽতিষ্ঠদাহবে যত্তো বিধুমোঽগ্নিরিব জ্বলন্ । ক্ষত্রিয়াণামভাবায় ব্রাহ্মমাস্ত্রং সমাস্থিতঃ ।৩।
পাঞ্চাল্যং বিরথং ভীমো হতসর্বায়ুধং বলী । অবিষণ্ণং মহাত্মানং ত্বরমাণঃ সমভ্যযাৎ ।৪।

সঞ্জয়না হায় :— মহরাজ! অতুগী তুংদা দ্রোণ অসি পাঞ্চাল লান্মীশিংনা ঈকোয় কোয়শিনগ্রব কাওবদা ক্ষত্রিয় অকনবা লিশিং লিশিংনু হাৎ হাত্তুনা লালকমদা কোয়চৎ চত্তুনা লৈরি ॥১॥ মতৌমুম্ম কল্লব দ্রোণনা থৌরবা তেল মপৈ মপৈনা য়েক্লবা কাওবুগী ক্ষত্রিয় অকনবা লিশিং কুন অত্তগা শাগু লথা অমনু হাংখ ॥২॥ অতুগী তুংদা জয়তৌনবা য়াম্না চোৎকশিন্না; ক্ষত্রিয় পুম্বনু হাৎলগে হাগগে হায়না খন্দুনা ব্রহ্মাস্ত্র পায়খত্তুনা দ্রোণ অসি মৈখুমাওত্রবা মৈবুল অমগুম্না লালক্নদা লৈখি ॥৩॥ অমরোমদা বাত্ম খুৎশুথুংলায়নু লোইনা

ততঃ স্বরথমারোপ্য পাঞ্চাল্যমরিমর্দ্দনঃ। অব্রবীদভিসংপ্রেক্ষ্য দ্রোণমস্ত্রসমন্তিকাৎ ॥৫॥
ন ত্বদন্য ইহাচার্য্যং যোদ্ধুমুৎসহতে পুমান্। ত্বরস্ব প্রাগ্ বধায়ৈব ত্বয়ি ভারঃ সমাহিতঃ ॥৬॥
স তথোক্তো মহাবাহুঃ সর্ব্বভারসহং ধনুঃ। অভিপত্যাদদে ক্ষিপ্রমায়ুধপ্রবরং দৃঢ়ম্ ॥৭॥
সংরব্ধশ্চ শরানস্যন্ দ্রোণং দুর্বারণং রণে। বিবারয়িষুরাচার্য্যং শরবর্ষৈরবাকিরৎ ॥৮॥
তৌ ন্যবারয়তাং শ্রেষ্ঠৌ সংরব্ধৌ রণশোভিনৌ। উদীরয়েতাং ব্রাহ্মাণি দিব্যান্যস্ত্রাণ্যনেকশঃ ॥৯॥
স মহাস্ত্রৈর্মহারাজ! দ্রোণমাচ্ছাদয়দ্রণে। নিহত্য সর্ব্বাণ্যস্ত্রাণি ভারদ্বাজস্য পার্ষতঃ ॥১০॥
স বশাতীন্ শিবীংশ্চৈব বাহ্লীকান্ কৌরবানপি। রক্ষিষ্যমাণান সংগ্রামে দ্রোণং ব্যধমদচ্যুতঃ ॥১১॥
ধৃষ্টদ্যুম্নস্তথা রাজন্। গভস্তিভিরিবাংশুমান্। বভৌ প্রচ্ছাদয়ন্নাশাঃ শরজালৈঃ সমন্ততঃ ॥১২॥
তস্য দ্রোণো ধনুশ্ছিত্বা বিদ্ধা চৈনং শিলীমুখৈঃ। মর্ম্মাণ্যভ্যহনদ্ভূয়ঃ স ব্যথাং পরমামগাৎ ॥১৩॥
তং বিংশতিসহস্রাণি পাঞ্চালানাং রথর্ষভাঃ। তথা চরন্তং সংগ্রামে সর্ব্বতোঽবাকিরন্ শরৈঃ ॥১৪॥
তৈঃ শরৈরাবৃতং দ্রোণং নাপশ্যাম মহারথম্। ভাস্করং জলদৈ রুদ্ধং বর্ষাস্বিব বিশাংপতে। ॥১৫॥

মাওপ্রবদা ধৃষ্টদ্যুম্ন অসিনা য়াম্না রানা লৈবদু উবদা কল্লবা ভীম অসি মাগী নাক্ত চঙশিল্লকই ॥৪॥ অদুগী তুংদা য়েরুবগুম্বা ভীমসেননা মাগী রথদা ধৃষ্টদ্যুম্নবু হাপকত্তুনা অদুগা য়াম্না নক্না দ্রোণনা কাপশিল্লকপদু উবদা ধৃষ্টদ্যুম্নদা অস্নুম্না হায়রকই ঃ—॥৫॥ পাঞ্চাল রাজকুমার! নহাক নত্তনা হৌজিক দ্রোণগী লান্থা ওইহনা শোক্লনবা কনাস্থ লৈতে। অদুনা মহাকসিবু হাৎনবা থুনা য়াওনা থৌরাং তৌবিয়ু। মসিগী ভার অসি মমাঙৈদগী অকনবা নহাকী নথক্ত শিন্নথ্রবনি ॥৬॥ ভীমসেননা অসুম্না হায়রবদা কল্লবা ধৃষ্টদ্যুম্ননা মাহুগী ভারপুম্বা লোদুনা লৌরুংবু থুদুম-চেৎনা পায়দুনা থৌরাং তৌদুনা লৈপ্রে ॥৭॥ অদুদগী থোইনা শাউথ্রবা ধৃষ্টদ্যুম্ন অসি লান্দা অমনা পাব য়াত্রবা দ্রোণগী মথক্তা তেম্না নোংচুবগুম্ হৈথরক্লে ॥৮॥ অদুগী তুংদা কল্লবা, শাউনরবা, লালগী লৈতেংগী মশক ওইরবা দ্রোণ-ধৃষ্টদ্যুম্ন অনী অসি ব্রহ্মাস্ত্রনচিংবা অতক-অতকপা তেন্নচিংবা থুৎলাযমক্ত কাপথোক্লরকলে। অমনা অমগী থুৎলাথবু কককক্তুনা থাদ-নরক্লে ॥৯॥ মহারাজ! অদুগী তুংদা ধৃষ্টদ্যুম্ননা দ্রোণনা কাপলকলিবা তেন মথৌ ককৎহন্দগা দ্রোণগী মশাপুম্ব তেন্তনা পুমথোম্ যোমথনখ্রে ॥১০॥ অকনবগী লক্ষণ পুম্বনা তিল্লবা ধৃষ্টদ্যুম্ননা মতম্ অগদা দ্রোণবু ঙাকশেন্দুনা লৈরিবা বশাতি, শিবি, বাহ্লীক, অদুগা কৌরব লাণ্মী অতৈ অতৈবু নৈবা হৌরকলে ॥১১॥ মহারাজ! মতম আসদা ধৃষ্টদ্যুম্ননা মাগী তেলমক্তনা, নুমিৎকী মশেক্না জগৎ পুম্বনু কুপ্শিনবদুগুম্না মাথৈগে পুম্বনু কুপশিন্দুনা মশেক্ মঙাল্ল পুমল লাংনা লালকম্লদা ঙাত্থোইখি ॥১২॥ মতম অদুদা দ্রোণনা মাগী লৌকং তেল পুম্ব ককৎলগা অমকস্ম ধৃষ্টদ্যুম্নগী থজীন্দা কপ্প পাখি। মতম্ অদুদা ধৃষ্টদ্যুম্ন অসি অকনবা চৈনা করখ্রে ॥১৩॥ দ্রোণ মতৌ অসুম্না পাণ্ডব লাণ্মীশংবু নৈব তৌরকপদা পাঞ্চাল লাণ্মীশিং কুম্ন পুল্লপ হেন্দুনা দ্রোণগী

বিধূয় তান্ বাণগণান্ পাঞ্চালানাং মহারথঃ। ততঃ প্রাদুষ্করোদ্দ্রোণো ব্রাহ্মমস্ত্রং পরন্তপঃ।
বধায় তেষাং শূরাণাং পাঞ্চালানামমর্ষিতঃ ॥১৬॥

ততো ব্যরোচত দ্রোণো বিনিঘ্নন্ সর্ব্বসোমকান্। শিরাংস্যপাতয়চ্চাপি পাঞ্চালানাং মহামৃধে।
তথৈব পরিঘাকারান্ বাহূন্ কনকভূষণান্ ॥১৭॥

তে বধ্যমানাঃ সমরে ভারদ্বাজেন পার্থিবাঃ। মেদিন্যামন্বকীর্য্যন্ত বাতভগ্না ইব দ্রুমাঃ ॥১৮॥

কুঞ্জরাণাঞ্চ পততাং হয়ৌঘানাঞ্চ ভারত।। অগম্যরূপা পৃথিবী মাংসশোণিতকর্দ্দমা ॥১৯॥

হত্বা বিংসতিসাহস্রান্ পাঞ্চালানাং রথব্রজান্। অতিষ্ঠদাহবে দ্রোণো বিধূমোঽগ্নিরিব জ্বলন্ ॥২০॥

তথৈব চ পুনঃ ক্রুদ্ধো ভারদ্বাজঃ প্রতাপবান্। বসুদানস্য ভল্লেন শিরঃ কায়াদপাহরৎ ॥২১॥

পুনঃ পঞ্চশতান্ মৎস্যান্ ষট্ সহস্রাংশ্চ সৃঞ্জয়ান্। হস্তিনামযুতং হত্বা জঘানাশ্বাযুতং পুনঃ ॥২২॥

ক্ষত্রিয়াণামভাবায় দৃষ্ট্বা দ্রোণমবস্থিতম্। ঋষয়োঽভ্যাগমংস্তূর্ণং হব্যবাহপুরোগমাঃ ॥২৩॥

বিশ্বামিত্রো জমদগ্নির্ভরদ্বাজোঽথ গৌতমঃ। বশিষ্ঠঃ কশ্যপোঽত্রিশ্চ ব্রহ্মলোকং নিনীষবঃ ॥২৪॥

মথক্তা তেম্নচিংবা থুংলায় মপৈ মপৈ হৈথরকলে ॥১৪॥ মহারাজ! বর্বাদা নোংতনা কৃপশিন্‌খিহুনা নোংমদোন মকোয় মপূম্ অসিমা পূমৃউ উদবহ্রগুম্না তেম্না পূমকূপ কৃপশিন্‌খিবহুদা দ্রোণনু কমানমু উবা কংনখিত্রে ॥১৫॥ অহুগী তুংদা, য়েক্লববু নৈহৎপা ভম্বা, মহারথী দ্রোণাচার্য্য অসি য়াম্না শাউখিহুনা পাঞ্চাল লাম্মীশিংনা কাপশিল্লকলিবা তেন পূম্নমক্ অহুনু থংহুনা পম্নগা পাঞ্চাল লাম্মীশিংবু তূম্না হাংলগে হায়না খল্লহুনা ব্রহ্মাস্ত্র পুথোরকলে ॥১৬॥ খুংলায় অসিনা, অকনবগী গুণ কর্ম্ম পূম্বনা তিল্লবা দ্রোণনা পাঞ্চাল লাম্মীশিংবু হাক্চল্লকহুনা মখোয়গী মঙকশিং অহু অমুমুক্তা লিশিং লিশং চাম-চামনা খুজং ওইহুনা লৈমায়থক্তা কেল্লহনখি। মখোয়গী য়োচ্ছুক্ য়োচ্ছুকমুক্ চাউরবা মপান্থোমশিং অহু অমুমুক্তা মশীংশাকঙমদনা লৈমায়থক্তা প্রোপ্ প্রোপ্ তাখি ॥১৭॥ দ্রেণনা অসুম্না কপ্পা হাক্চল্লকপসিদা কল্লবা ক্ষত্রিয় নিংথোলাম্মী কয়া কয়া লৈমায়থক্তা হাত্থনখ্রে ॥১৮॥ ভরতনন্দন! লালকম্ অহু শগোল শামু অহুগা তাইবংমীগী মশাগী ঈ-নাহ্ট শদ্দুমমক্তুনা লৈথোম্ থোকখিদুনা চৎশম্ লৈরক্ত্রে ॥১৯॥ মতৌ অসুম্না দ্রোণনা পাঞ্চাল্‌লাম্মী লিশিং কুনবু লোইনা হাংতুনা মৈথু শাংদ্রবা মৈয়ল অমগী মতৌগুম্না মশেকু মঙান্না পূম্থলথন্না লৈখি ॥২০॥ মতৌ অসুম্না মতীক মগুণ চাউরবা কল্লবা দ্রোণনা তা মচৌন শানা খৌরনা তেল্ অমনা বসুদানগী মঙকপূ হকচাংদগী তোঙান্না তাহনখি ॥২১॥ অহুদগী অমুক্ দ্রোণনা মৎস্যদেশগী লাম্মী চামঙা, সৃঞ্জয লাম্মী লিশহুফু, শামু লিশতরা হাংলবা তুংদা শগোলতোংবা লাম্মী লিশংতর হংখি ॥২২॥ মতম্ অহুদা দ্রেণনা ক্ষত্রিয় পূম্বা মাঙহনগদবগী লৈবহু উবদা মহাকপ্পু ব্রহ্মলোকত পুথ্রগে হায়না খন্দুনা বিশ্বামিত্র, ভরদ্বাজ, গৌতম, বশিষ্ঠ,

সিকতাঃ পৃশ্নয়ো গর্গা বালখিল্যা মরীচিপাঃ । ভৃগবোঽঙ্গিরসশ্চৈব সূক্ষ্মাশ্চান্যে মহর্ষয়ঃ ॥২৫॥

(বিশেষকম্)

এবমব্রুবন্ সর্ব্বে দ্রোণমাহবশোভিনম্ । অধর্ম্মতঃ কৃতং যুদ্ধং সময়ো নিধনস্য তে ॥২৬॥

ন্যস্যায়ুধং রণে দ্রোণ ! সমীক্ষ্যাস্মানবস্থিতান্ । নাতঃ ক্রূরতরং কর্ম্ম পুনঃ কর্ত্তুমিহার্হসি ॥২৭॥

বেদবেদাঙ্গবিদুষঃ সত্যধর্ম্মরতস্য তে । ব্রাহ্মণস্য বিশেষেণ তবৈতন্নোপপদ্যতে ॥২৮॥

ত্যজায়ুধমমোঘেষো ! তিষ্ঠ বর্ত্মনি শাশ্বতে । পরিপূর্ণশ্চ কালস্তে বস্তুং লোকেঽদ্য মানুষে ॥২৯॥

ব্রহ্মাস্ত্রেণ ত্বয়া দগ্ধা অনস্ত্রজ্ঞা নরা ভুবি । যদেতদীদৃশং বিপ্র ! কৃতং কর্ম্ম ন সাধু তৎ ॥৩০॥

ন্যস্যায়ুধং রণে ক্ষিপ্রং দ্রোণ ! মা ত্বং চিরং কৃথাঃ । মা পাপিষ্ঠতরং কর্ম্ম করিষ্যসি পুনর্দ্বিজ ! ॥৩১॥

ইতি তেষাং বচঃ শ্রুত্বা ভীমসেনবচশ্চ তৎ । ধৃষ্টদ্যুম্নঞ্চ সংপ্রেক্ষ্য রণে স বিমনাভবৎ ॥৩২॥

স দহ্যমানো ব্যথিতঃ কুন্তীপুত্রং যুধিষ্ঠিরম্ । অহতং বা হতং বাপি পপ্রচ্ছ সুতমাত্মনঃ ॥৩৩॥

স্থিরা বুদ্ধির্হি দ্রোণস্য ন পার্থো বক্ষ্যতেঽনৃতম্ । ত্রয়াণামপি লোকানামৈশ্বর্য্যার্থে কথঞ্চন ॥৩৪॥

কশ্যপ অত্রি. ঋষি মখোযসিনা অদুগা সিকত, পৃশ্নি গর্গ, বালখিল্য, মরীচিপ, ভৃগু, অঙ্গিরানচিংবা মুনিঋষিশিংনা অগ্নিদেবনা মাঙ্ থাদুনা দ্রোণনা লৈরিবা লালফম্ মফম্ অদুদা লাকখি ॥২৩—২৫॥ মতম অদুদা মখোয পুম্নমক্না লালকম্দা মাযথোং মকায়াম্না লৈরিবা দ্রোণদা অস্নুম্না হাযরক্ই —"দ্রোণ ! অকনবা ব্রাহ্মণ ! নহাক্ হৌজিক্ ধর্ম্মগী য়াংমদা লালশোক্লয়ে । অদুনা নহাকী অরোইবা মতম লাক্লে ! "—॥২৬॥ অদুনা দ্রোণাচার্য্য ! নহাক্ হৌজিমক্ ঐখোযনা লৈরিঙৈসিদা ঐখোয়গী মাঙদা খুংলায় থাদোকউ । অসিদগী মথাক্তানা তমথিরবা থবক অসি অমুক তৌথরগনু ॥২৭॥ নহাক্তি বেদবেদাঙ্গ পুম্নমক্ তমদুনা হৈরবনি । ধর্ম্মগী অচুম্বা লম্বীদা চংলিবনি, অসিগী মথক্তু নহাক ব্রাহ্মণনি । অদুনা ব্রাহ্মণ অমনা অসিগুম্বা তমথিরবা মুংশিহৈতবা থবক অসি তৌবা চুম্দে ॥২৮॥ শোংযফত্রব, অরেম্বদা তাত্রবা তেল্ ঙাক্ত কাপ ঙম্বা ! হৌজিমক্ খুলায় থাদোকউ । ব্রহ্মলোক ফংননবগুম্ তোংনরে । মর্ত্ত্যলোকসিদা লৈংনবগী নহাকী মতম্ শুরে ॥২৯॥ ব্রাহ্মণ ! নহাক্না ব্রহ্মাস্ত্রগুম্ শীক্তিন্নদুনা ব্রহ্মাস্ত্রবু শীক্তিন্নবা হৈজদবা লাম্নী কযা কযাবু হাংলি । অদুনা নহাক্না তৌরবা থবক্ অসে, যাম্না লাল্লি ॥৩০॥ "মরম অদুনা দ্রোণ ! ব্রাহ্মণ ! থিল্লগন্নু, অম অম খল্লগন্নু, হৌজিমক্ খুংলায় থাদোকউ ! পাপকী থবক্ অসি অমুক্ তৌরগনু" ॥৩১॥ দ্রোণনা ঋষি মযামগী ব্বা অসি তারদ অদুগ মমাঙদ লৈরিবা ধৃষ্টদ্যুম্নবু উবদা লাল্ অমুক্ তৌরগে হন্দ্রে ॥৩২॥ অদুগা মচা নিপা অকনবা অশ্বত্থামা হাযবদু শিরে শিদ্রে হায়বাসিগী তশেংবা অদু হংদুগে হায়দুনা যুধিষ্ঠিরদা হংখি ॥৩৩॥ মরমদি যুধিষ্ঠির হাযবা নিপাসি মথেল তম্লুমগী সিংহাসন ফংনি হায়দুনসু মীনম্বা অমত্ত ঙাঙদ্রু হায়বসি য়াগদবা মীশক নত্তে হাযবসি দ্রোণ

তস্মাত্তং পরিপপ্রচ্ছ নান্যং কঞ্চিদ্দ্বিজর্ষভঃ। তস্মিংস্তস্য হি সত্যাশা বাল্যাৎ প্রভৃতি পাণ্ডবে ॥৩৫॥

ততো নিষ্পাণ্ডবামুর্বীং করিষ্যন্তং যুধাং পতিম্। দ্রোণং জ্ঞাত্বা ধর্ম্মরাজং গোবিন্দো ব্যথিতোঽব্রবীৎ ॥৩৬॥

যদ্যর্দ্ধদিবসং দ্রোণো যুধ্যতে মন্যুমাস্থিতঃ। সত্যং ব্রবীমি তে সেনা বিনাশং সমুপৈষ্যতি ॥৩৭॥

স ভবাংস্ত্রাতু নো দ্রোণাৎ সত্যাজ্জ্যায়োঽনৃতং ভবেৎ।
অনৃতং জীবিতস্যার্থে বদন্ ন স্পৃশ্যতেঽনৃতৈঃ ॥৩৮॥

তয়োঃ সংবদতোরেবং ভীমসেনোঽব্রবীদিদম্। শ্রুত্বৈবং তং মহারাজ! বধোপায়ং মহাত্মনঃ ॥৩৯॥

গাহমানস্য তে সেনাং মালবস্যেন্দ্রবর্ম্মণঃ। অশ্বত্থামেতি বিখ্যাতো গজঃ শক্রগজোপমঃ ॥৪০॥

নিহতো যুধি বিক্রম্য ততোঽহং দ্রোণমব্রুবম্। অশ্বত্থামা হতো ব্রহ্মন্! নিবর্ত্তস্বাহবাদিতি।
নূনং নাশ্রদ্দধদ্বাক্যমেষ মে পুরুষর্ষভঃ ॥৪১॥ (যুগ্মকম্)

স ত্বং গোবিন্দবাক্যানি মানয়স্ব জয়ৈষিণঃ। দ্রোণায় নিহতং শংস রাজন্! শারদ্বতীসুতম্ ॥৪২॥

ত্বয়োক্তো নৈষ যুধ্যেত জাতু রাজন্! দ্বিজর্ষভঃ।
সত্যবান হি ত্রিলোকেঽস্মিন্ ভবান্ খ্যাতো জনাধিপ! ॥৪৩॥

মুম্না খণ্ডিত—থাজে ॥৩৪॥ অভাং ওইরিবৈদগী তৌনা যুধিষ্ঠিরবু দ্রোণনা য়াম্না থাজে। মরম অহু-মক্তনা দ্রোণনা অতৈ অমদা হংবা তৌদনা যুধিষ্ঠিরগী মকমতদা হংখি ॥৩৫॥ হংগদৌ.র হাযব স উবদা, দ্রোণনা পৃথিবীসিদগী পাণ্ডুগী বংশবু মুথংখিগদৌরে হায়বাস খন্দুনা, কৃষ্ণনা যুধিষ্ঠিরগী মকমদা অসুম্না হায়খি—॥৩৬॥ "মহারাজ! দ্রোণনা শাউখিদুনা ক'রগুম্বা যুথক্ অনীরোমতগী মান্ অমুক্ শোক্লখ্রবাদ, মহারাজগী পাণ্ডালমী পুম্বসে লোইনা মুংথবা ভারে ॥৩৭॥ অদুনা মহারাজনা ঐখোয় খ্বাইনু দ্রোণগী মথক্তা অমুক্ত কনবিয়ু। দেণকাপ পত্রগী মতুংইন্না অচুম্ববুদি মীনম্ব খবদং ভাওনা মহারাজদা অকবা ওইবগনি। পুরণ-চিরবা মতমদা মথরাই হিংনবতা ভাঙলবদি মিথ্য ওইরবসু, মিথ্যাবাদী ওইকনবগী পাপ লেতে" ॥৩৮॥ কৃষ্ণগা যুধিষ্ঠিরগা অসুম্না ভাওনারবৈ মতম অসিদা ভরানবা রাথৈখরা হাযরগা দ্রোণগী হাখিনবগী উপায় অস উবদা ভীমনা অসুম্ন হায়খি—॥৩৯॥ "মহারাজ! যাম্বু! মালবকী নিংথৌ ইন্দ্রবর্ম্ম হায়রবুনা ঐখোয়গী লাম্মীশংবু নৈথাইবকপা মতমতুদ মহাক্কী কল্লব চাউরবা অশ্বত্থমা হাযবা শাম্ন অমা ঐনা হাৎখি। মতম্ অহুদা ঐনা "অশ্বত্থামা শরে হায়নসু দ্রোণদা অমুক্ ভাহনখ্রবান। ব্রাহ্মণ! গুরু! অশ্বত্থামা শিবে লাল্ তাকাপরে—হায়না ঐনা দ্রোণদা হায়খবদা—মহাক্কা ঐনা হায়বতু থাজ'বদে" ॥৪০—৪১॥

মরম অদুনা যাম্বু মহারাজ! নিংথৌ জয় ওইনবগী দমক্তা কৃষ্ণনা হায়রিবা ব অসা য়াবিয়ু। "অশ্বত্থামা শিবে' হায়দুনা দ্রোণগী মমাঙদা অমুক্ত হায়বিয়ু ॥৪২॥ "মহারাজ! য়াম্বুং নিংথৌ!

তস্য তদ্বচনং শ্রুত্বা কৃষ্ণবাক্যপ্রচোদিতঃ। ভাবিত্বাচ্চ মহারাজ! বক্তুং সমুপচক্রমে ।৪৪।
তমতথ্যভয়ে মগ্নো জয়ে সক্তো যুধিষ্ঠিরঃ। অশ্বত্থামা হত ইতি শব্দমুচ্চৈশ্চকার হ।
অব্যক্তমব্রবীদ্রাজন্। হতঃ কুঞ্জর ইত্যুত ।৪৫।
তস্য পূর্ব্বং রথঃ পৃথ্ব্যাশ্চতুরঙ্গুলমুচ্ছ্রিতঃ। বভূবৈবন্তু তেনোক্তে তস্য বাহাস্পৃশন্ মহীম্ ॥৪৬॥
যুধিষ্ঠিরস্তু তদ্বাক্যং শ্রুত্বা দ্রোণো মহারথঃ। পুত্রব্যসনসন্তপ্তো নিরাশো জীবিতেঽভবৎ ॥৪৭॥
আগস্কৃতমিবাত্মানং পাণ্ডবানাং মহাত্মনাম্। ঋষিবাক্যেন মন্বানঃ শ্রুত্বা চ নিহতং সুতম্ ॥৪৮॥
বিচেতাঃ পরমোদ্বিগ্নো ধৃষ্টদ্যুম্নমবেক্ষ্য চ। যোদ্ধুং নাশক্নুবদ্রাজন্। যথা পূর্ব্বমরিন্দমঃ ॥৪৯॥
(যুগ্মকম্)
তং দৃষ্ট্বা পরমোদ্বিগ্নং শোকোপহতচেতসম্। পাঞ্চালরাজস্য সুতো ধৃষ্টদ্যুম্নঃ সমাদ্রবৎ ।৫০।
য ইষ্ট্বা মনুজেন্দ্রেণ দ্রুপদেন মহামখে। লব্ধো দ্রোণবিনাশায় সমিদ্ধাদ্ধব্যবাহনাৎ ।৫১।

য়াম্বুং মহারাজনা অসুম্না হায়বিরবদি ব্রাহ্মণ অথোইবা দ্রোণ হায়বসে লাল অমুক শোক্লয়রোই মরমদ, য়াম্বুংদি জগত্তা খ্বাইদগী রাশক চেৎপা, অচুম্ব ভাণ্ডবা নিপা অমনি হায়না কাওবিরিবনি" ॥৪৩॥ মহারাজ। যুধিষ্ঠিরবু অহানবদস্থ কৃষ্ণনা থবক্ অসিদা ঈষ্টিনপ্রবনি। অহুগা ভীমনা হায়খিবা রাশিংসিস্থ তারবনি; আসগী মথক্ত, দ্রোণদি মতো অসুম্না লালকমদা থরাই থাও হায়নস্থ তমপ্রবনি। অতুনা, মরমশিং অসি নৈপ্রবহুনা যুধিষ্ঠিরনা অশ্বত্থামা শিরে হায়বা রাহৈ অসি হায়রগে হায়না পূক্লিংদা লেপখ্রে ॥৪৪॥ মহারাজ! যুধিষ্ঠির অসি মতম অসিদা, অমরোমদা; মীনম্বা ভাণ্ডবাথোক্লগদ্রা হায়বগী, অহুগা পাপ পুরগদ্রা হায়বগী চিংনব অকিবগী ঈপাক্ত লুপখি, অমরোমদনা, জয় ওইনিংবগী রাখন্দা অমাদি আশাদা তাউহুনা নৈখি। অহুদগী ইপা পাখৎনা খোঞ্জেল হৌনা "অশ্বত্থামা শিরে"-হায়বা দ্রোণ তানা লাউরগা, য়াম্না নেম্না মমৈদা "শামুনি" হায়বা রাহৈ অসি হায়খ ॥৪৫॥ মতৌশাদগী যুধিষ্ঠিরগী রথ অসি লৈমায়থক্তগী খুদোল মরি রানা হেন্‌গত্তুনা ভাক্ত লৈবনি। অতুবু, যুধিষ্ঠিরনা মীনম্বা রাহৈ অসি হেক হায়দোকখিবা পূক্‌ম্ অহুদগী যুধিষ্ঠিরগী রথগী শাগোলশিঙ অহু লৈমায় শোকখি ॥৪৬॥ অতুগা আসোমদা; দ্রোণস্থ যুধিষ্ঠিরগী মচৌন্দগী অশ্বত্থামা শিরে হায়বা রাহু তাবদা সংসারদা মীকুপ অম অমুক্ পম্বহুনা হিংহুনা নৈখিগনি হায়বগী আশা কাওবা তৌরকত্রে ॥৪৭॥ মহারাজ! যুধিষ্ঠির অসি অহানবদা ঋষিশিংগী মচৌন্দগী হায়দোকখিবা রাহৈশিং অহু নীঙশিংহুনা পাণ্ডবশিংগী মরমদা য়াম্না লানগ্রমাগ্রে হায়না খল্লবদগী, অশ্বত্থামা হাৎখ্রে হায়বা তাবদগী অহুগা ধৃষ্টদ্যুম্ননা মমাঙদা খুৎলায় থাংগত্তুনা লেপতুনা লৈবহু উবদা কিখিবদগী দ্রোণ অসি খুৎলায় পায়বা য়ারকত্রে; লাল তৌবা ঙমশিল্লকত্রে। করিস্থ ঈতৌ তৌদনা জ্ঞান মাঙশিল্লকলে ॥৪৮-৪৯॥ দ্রোণনা জ্ঞান মাঙখিবসি উবদা, অহুগা মহাক য়াম্না কিরে হায়বসি খঙঙবহুদা ধৃষ্টদ্যুম্ননা খুৎলায় পায়খত্তুনা দ্রোণ তম্না হোক্চিনখি ॥৫০॥ মমাঙদা দ্রোণ

স ধনুর্ব্বৈত্রমাদায় ঘোরং জলদনিস্বনম্। দৃঢ়জ্যমজরং দিব্যং শরজ্বালীবিষোপমম্ ।৫২।
সন্দধে কার্ম্মুকে তস্মিংস্তত্তমনলোপমম্। দ্রোণং জিঘাংসুঃ পাঞ্চাল্যো মহাজ্বালমিবানলম্ ।৫৩।
(বিশেষকম্)

তস্য রূপং শরস্যাসীদ্ধনুর্জ্যামণ্ডলান্তরে। দ্যোততো ভাস্করস্যেব ঘনান্তে পরিবেশিনঃ ।৫৪।
পার্ষতেন পরামৃষ্টং জলন্তমিব তদ্ধনুঃ। অন্তকালমনুপ্রাপ্তং মেনিরে বীক্ষ্য সৈনিকাঃ ।৫৫।
তমিষুং সংহিতং তেন ভারদ্বাজঃ প্রতাপবান্। দৃষ্ট্বামন্যত দেহস্য কালপর্য্যায়মাগতম্ ।৫৬।
ততঃ স যত্নমাতিষ্ঠদাচার্য্যস্তস্য বারণে। ন চাস্যাস্ত্রাণি রাজেন্দ্র। প্রাদুর্বাসন্ মহাত্মনঃ ।৫৭।
তস্য ত্বহানি চত্বারি ক্ষপা চৈকাস্যতোঽগমৎ। তস্য চাহুস্ত্রিভাগেন ক্ষয়ং জগ্মুঃ পতত্রিণঃ ।।৫৮।।
স শরক্ষয়মাসাদ্য পুত্রশোকেন চার্দ্দিতঃ। বিবিধানাঞ্চ দিব্যানামস্ত্রাণামপ্রসাদতঃ ।।৫৯।।
উৎস্রষ্টুকামঃ শস্ত্রাণি ঋষিবাক্যপ্রচোদিতঃ। তেজসা প্রের্য্যমাণশ্চ যুযুধে ন যথা পুরা ।৬০। (যুগ্মকম্)

হাংকে হায়বগীদমক্ দ্রুপদনা স বল্লগা লোয়ননা তৌখিবা যজ্ঞগী অগ্নিকুণ্ডদগী লালগী কবচনচি'বা খুৎশুপা লোয়ননা চো'থোরকপা ধৃষ্টদ্যুম্ননা দ্রোণ হৎলগে হায়না খনখিহুনা নো থোংবগী মতৌশুম্না মথোল হৌরবা, লীরি মন্ধ চেৎনা হাপ্লবা; ঈনৌনৌবা; মর্ত্যলোক্তা লৈতবগুম্ব লীরুং অদুদা, লিলগী মতৌশুম মহূ পুববা, মচিন্দা মৈ হৌরবা তেপ অম তেঙ্গা থোংদুন' দ্রোণ তয়া মপা চুম্না সন্ধান তৌরক্লে ॥৫১ ৫৩॥ বর্ষ ঋতুনা লোইগ্রবদ, অতিয়া মকোয়গী মনুংদা মশেক্ল থন্না লৈরবা সুমিৎকী মতৌশুম্না, কোযরৈ লৈহুনা লৈরবা লীক' অদুগী মনুংদা ময়াই কল্লবা, মচীন্দা মৈরি থোক্লা চাক্লবা তেল অদুসু থোইদোক্লা অকিবা ফংব মূর্ত্তি পুত্থনা লৈখি ॥৫৪॥ ধৃষ্টদ্যুম্নন' নাকোং মক্ল ফংনা চিংলবা লীকং অদুগী মশক উবদা লাম্মী পুম্নমক্না দ্রোণগী অবোইবা মতম লাক্লদনা হায়না খল্লখি ॥৫৫॥ মণীক মঙ্গণ মপ ঙল লৈরব। দ্রোণসু ধৃষ্টদ্যুম্ননা তেঙ্গা থোংলক্ লবা তেলগী মশক অদু উবদা ঐগী জীবনা অতোপ্প হন্চিনা অমদা চপ্পনবগী মতম লাক্লনোরে হায়না খনখ্রে ॥৫৬॥ নিংথৌ অথোইবা! মতম অসিদা দ্রোণনা হন্নবগী খুৎলায় অদু করমনবগী কন্না হোৎনাখি, অদুবু, মাহ্র করুনব খুৎলায অদু থডনা হডনা, চৈন চৈনমক্ নীভ'শব, ওঁ কখি ত্র ॥৫৭॥

মরম অমনা দ্রোণনা ইবেপ লেপ্তুন অ'ত সু'ল নাইদনা ক'প্লকপ'স সুম'ৎ মারিনিগা অ'হিং অমগা সুমিৎ মঙানি শুবে। মঙানি শুবগী সুমৎ যুংবতুরাই ফাওনা অতেৎ অথম্ লৈতনা কাপলকপগী খুংলাযসু লেইশিল্লক্লল ॥৫৮॥ মবম অডনা খুৎলায লৈরক্লবগ, মচা শিংথ্র হাযনগী রা তাবগা লাইগী খুংলায়গী মন্ত্র অমদি প্রযগ পুম্ব। কাউশিল্লকপগা, ঋষিশিংনা হাযখিবা য়্রাশং তাডুগ, দ্রোণ চার্য্য অ'স খুৎলায থাদোকলগে হাযনা পুরি দা লেপ'থ্র। অদুমনপু দ্রোণ অসি কন্দি তল্লি তপ্প তডুম্ মশোক্লাব। তডুণা হাম্নগেম্না ঈচ' পৌন, জুন তানা

ততো ভীমো দৃঢ়ক্রোধো দ্রোণস্যাক্ষিপ্য তং রথম্। শনকৈরিব রাজেন্দ্র! দ্রোণং বচনমব্রবীৎ ॥৬১॥
যদি নাম ন যুধ্যেরন্ শিক্ষিতা ব্রহ্মবন্ধবঃ। স্বকর্ম্মভিরসন্তুষ্টা ন স্ম ক্ষত্রং ক্ষয়ং ব্রজেৎ ॥৬২॥
অহিংসা সর্ব্বভূতেষু ধর্ম্মং জ্যায়স্তরং বিদুঃ। তস্য চ ব্রাহ্মণো মূলং ভবাংশ্চ ব্রহ্মবিত্তমঃ ॥৬৩॥
শ্বপাকবন্ম্লেচ্ছগণান্ হত্বা চান্যান্ পৃথগ্‌বিধান্। অজ্ঞানান্মূঢবদ্‌ব্রহ্মন্! পুত্রদারধনেপ্সয়া ॥৬৪॥
একস্যার্থে বহূন্ হত্বা পুত্রস্যাধর্ম্মবিদ্‌যথা। স্বকর্ম্মস্থান্ বিকর্ম্মস্থো ন ব্যপত্রপসে কথম্ ॥৬৫॥
(যুগ্মকম্)
যস্যার্থে শস্ত্রমাদায় যমপেক্ষ্য চ জীবসি। স চাদ্য পতিতঃ শেতে পৃষ্ঠেনাবেদিতস্তব।
ধর্ম্মরাজেন তদ্বাক্যং নাভিশঙ্কিতুমর্হসি ॥৬৬॥
এবমুক্তস্ততো দ্রোণো ভীমেনোৎসৃজ্য তদ্ধনুঃ। সর্ব্বাণ্যস্ত্রাণি ধর্ম্মাত্মা হাতুকামোঽভ্যভাষত ॥৬৭॥
কর্ণ! কর্ণ! মহেষ্বাস! দুর্য্যোধনেতি চ। সংগ্রামে ক্রিয়তাং যত্নো ব্রবীম্যেব পুনঃ পুনঃ ॥৬৮॥
পাণ্ডবেভ্যঃ শিবং বোঽস্তু শস্ত্রমভ্যুৎসৃজাম্যহম্। ইতি তত্র মহারাজ! প্রাক্রোশদ্‌দ্রৌণিমেব চ ॥৬৯॥

শোক্রবদি তৌত্রে ॥৫৯ ৬০॥ নিংথৌ অংথোইবা! মতম অসিদা, থোইনা শাউরব। ভীমনা দ্রোণগী নাক্ত চতশিনখিত্তনা অস্নুম্না হায়রকই ॥৬১॥ শুরুখোয়গুম্বা ব্রাহ্মণশিংগী থবক্ অসিদা পেন্দবা অতগা লীকং তেলগী বিদ্যাদদি তৈরবা ব্রাহ্মণশিংনা লাল তৌরম্ব্রবদি ক্ষত্রিয় শাগেগী মীশনা অস্নুক্ যাম্না মাঙব অসে থোক্রম্লাইদোবনি ॥৬২॥ জীবপানবশিংবু বারেমথৈ হিংসা তৌদবনা অথোইবা ধর্ম্মান হায়না ধর্ম্মগী ওস্ত্র খঙবশিনা খঙনৈ। অদুগুম্বা ধর্ম্ম অদুগী মকদি ব্রহ্মণন। অদুগী মথক্ত শুকদ ধর্ম্মা তত্ত্বখঙবা অথোইবা ব্রাহ্মণন ॥৬৩॥ শুকদেব! ব্রাহ্মণ অতেদ ব্রাহ্মণগী ধর্ম্মদা ব্রাহ্মণগী মথৌদা পুংকং চঙতুনা লৈনরি। অদুগ ব্রাহ্মণ নগাক্তি ব্রাহ্মণগী ধর্ম্ম অমদ বর্মী বিকর্ম্মদা লবক্ তৌবিরকাল। শাদানবনা মতুগী মচাগী লালগী রাথন্দা শা উচেক্ তইবংমী কাওবা হংতুনা সসারদা মপুন্স লোল্ল। অদুগুম্না ব্রাহ্মণ নহাক্না ধর্ম্মখঙত্রবা, পঙলবা অমা হৌগুম্না মচা অমগী দমক্তা তাঞ্জাস থৌরকাওবদা জীব হিংসা তৌবা থক্ তৌক্ত্র। তৌরব থবক্ সশঙ্কনা হল্লরগা হৌজিক কাওবা ঈকায় বদ্রিবা করিগীনো ॥৬৪-৬৫॥ "নহাক্না দমক্ত তৌজক ফওবা খুংলায় থাদোকাত্রবা, মহাক্ লৈরকো হায়বদুগী হিন্তুনা লৈবিরবা, অদুগুম্বা মু শরবা শুকদবনী নচাদি ওস লালকমদা থবাক থাপ্র। ধর্ম্মরাজ যুধিষ্ঠির মরম্নু রাস হায়না শুকদেবদ খঙহনখ্রবনি। মসদা শুকদেবনা থাজদবা চিনবা তৌবগনু ॥৬৬॥ ভীমগী বাস তাদ ধর্ম্মাত্ম ওইবা দ্রোণ অস খুংলায় পূর্ব বাদাকহুনা লাম্ তেক্লগে হায়না লেপখ্রে ॥৬৭॥ দ্রোণন মতম অদুদা অস্নুম হায়না লাউরকই:—কর্ণ! কর্ণ! অকনবা! কৃপাচার্য্য! দুর্য্যোধন! ঐ নখোয়দা হন্না হন্না লাউববসন। লাম ভম্না হাৎনৌ ॥৬৮॥ পাণ্ডবশিংগীম্নু নখোয়সু মঙ্গল ওইসনু! ঐদি যেক্তু, খুংলায থাদোক্রবনি।" মহারাজ'

উৎসৃজ্য চ রণে শস্ত্রং রথোপস্থে নিবেশ্য চ। অভয়ং সর্ব্বভূতানাং প্রদদৌ যোগযুক্তবৎ ॥৭০॥
তস্য তচ্ছিদ্রমাজ্ঞায় ধৃষ্টদ্যুম্নঃ প্রতাপবান্। সশরং তদ্ধনুর্ঘোরং সংন্যস্যাথ রথে ততঃ।
খড়্গী রথাদবপ্লুত্য সহসা দ্রোণমভ্যয়াৎ ॥৭১॥
হাহাকৃতানি ভূতানি মানুষাণীতরাণি চ। দ্রোণং তথাগতং দৃষ্ট্বা ধৃষ্টদ্যুম্নবশং গতম্ ॥৭২॥
হাহাকারং ভৃশং চক্রুরহো ধিগিতি চাব্রুবন্। দ্রোণোঽপি শস্ত্রাণ্যুৎসৃজ্য পরমং সাম্যমাস্থিতঃ ॥৭৩॥
তথোক্ত্বা যোগমাস্থায় জ্যোতির্ভূতো মহাতপাঃ। পুরাণং পুরুষং বিষ্ণুং জগাম মনসা পরম্ ॥৭৪॥
মুখং কিঞ্চিৎ সমুন্নাম্য বিষ্টভ্যোরস্তথাগ্রতঃ। নিমীলিতাক্ষঃ সত্ত্বস্থো নিক্ষিপ্য হৃদি ধারণাম্ ॥৭৫॥
ওমিত্যেকাক্ষরং ব্রহ্ম জ্যোতির্ভূতো মহাতপাঃ। স্মৃত্বা দেবদেবেশমক্ষরং পরমং প্রভুম্।
দিবমাক্রামদাচার্য্যঃ সাক্ষাৎ সদ্ভির্দুরাক্রমাম্ ॥৭৬॥ (যুগ্মকম্)
দ্বৌ সূর্য্যাবিব নো বুদ্ধিরাসীত্তস্মিংস্তথা গতে। একরূপমিবাভাসীজ্জ্যোতির্ভিঃ পূরিতং নভঃ ॥৭৭॥
সমপদ্যত চোল্কাভং দ্রোণস্য নিধনে তদা। নিমেষমাত্রেণ চ তজ্জ্যোতিরন্তরধীয়ত ॥৭৮॥

দ্রোণনা অস্ত্রম্না হন্না হন্না লাউরগা কোস্থংদা অশ্বত্থামাবু কৌত্রনা কপলকই ॥৬৯॥ মতুং অদুদা দ্রোণনা খুৎলায় থাদোকতুনা রথ মথক্তা তুমিন্না যোগীগুম্না যোগাসনদা ফমদুনা লৈখি কনাগুম্বা জীব অমতগী মকমদা অকিবা মিপাইবা পোকহনখিদ্রে ॥৭০॥

মতম অসিমক্তদা, কল্লবা মতীক্‌মগুণ চাওরবা ধৃষ্টদ্যুম্ননা দ্রোণগী অহোবা ফীবম্ ইতাউ তাউনা লৈবদু উবদা অকিবনী মশক্ ওইরবা লীকং তেল অনীগু থমদুনা, থৌরবা থাঙশাং অম পাযখৎতুনা রথদগী কল হেক চোংথদুনা দ্রোণ তন্না প্রপ্রপ চেলশিনখি ॥৭১॥ দ্রোণ অমদি ধৃষ্টদ্যুম্ননা তৌরকলিবা মওং অদু উবদা মী পুম্নমক্না হাহাকাব লাউনখি ॥৭২॥ পক্ষ অনীমক্কী লাল্মী শংনা "আঃ! ওস্থোকপনি! লাল! ওস্থোক্ক তোল্লিদ!" -অস্তুম হায়না খংলাউ লাউনরকই। মতম অদুদা দ্রোণসু খুৎলায থাদোক্তুনা শান্ত মূর্ত্তি পুদুনা লৈখি। ॥৭৩॥ মতম অসিদ দ্রোণ অসি যোগাসনদা ফমদুনা মমীৎ উইশিনদুনা পুরাণ-পুরুষ ওইরবা সাকার ব্রহ্মগী মশক ওইরবা বিষ্ণুগী মূর্ত্তিদু থম্মোয়দা চিংশিনদুনা ধ্যান তৌদুনা লৈখ্রে ॥৭৪॥ মতম অসিদা মহাবলা ইন্দ্রগী খুদুম চল্লবা, তপস্যা কল্লবা দ্রোণাচার্য্যনা মমায অদু হাইকেং হাইগদুনা ফল্লবা থবাক্তা-নৈংলু অনী পমদুনা, মীৎ অনী চেচেৎ উইশিনদুনা সাত্ত্বিক অবস্থাদা থম্মোয় হকচা অনীদু পুশন্দুনা ধারনা কৌব যোগদু থম্মোযদা সাধন তৌদুনা, মযেক-খাস্তেক অমতগী মশক ওইরব 'ও' হায়রবু জপ তৌনা তৌনা অমাং অতা লৈত্রবা ব্রহ্মস্বরূপ প্রভু শ্রীনারায়ণবু নীংশিংদুনা অডব ঐখোয খুদাইগী মাঙমক্তদা জীবাত্মাদু ব্রহ্মাদা হিল্লহন্দুনা পরলোক চৎখি ॥৭৫-৭৬॥ দ্রোণনা অস্তুম্না লোং-পাখিবা মতম অদদ নোংমদোনদা সুমৎ-তনী থাব্রানবা থোকপগুম্ উখি। নোংমদোনদ্ মকেয অমসু মতেক মতম পুম লোপনখি ॥৭৭॥ পাইখ্‌রবা মতাম অদুনা ভগাক্ত শঙশেল

আসীৎ কিলকিলাশব্দঃ প্রহৃষ্টানাং দিবৌকসাম্। ব্রহ্মলোকং গতে দ্রোণে ধৃষ্টদ্যুম্নে চ মোহিতে ॥৭৯॥
বয়মেব তদাঽদ্রাক্ষ্ম পঞ্চ মানুষযোনয়ঃ। যোগযুক্তং মহাত্মানং গচ্ছন্তং পরমাং গতিম্ ॥৮০॥
অহং ধনঞ্জয়ঃ পার্থঃ কৃপঃ শারদ্বতস্তথা। বাসুদেবশ্চ বার্ষ্ণেয়ো ধর্ম্মপুত্রশ্চ পাণ্ডবঃ ॥৮১॥
অন্যে তু সর্ব্বে নাপশ্যন্ ভারদ্বাজস্য ধীমতঃ। মহিমানং মহারাজ! যোগযুক্তস্য গচ্ছতঃ।
ব্রহ্মলোকং মহদ্দিব্যং দেবগুহ্যং হি তৎপরম্ ॥৮২॥
গতিং পরমিকাং প্রাপ্তমজানন্তো নৃযোনয়ঃ। নাপশ্যন্ গচ্ছমানং হি তং সার্দ্ধমৃষিপুঙ্গবৈঃ।
আচার্য্যং যোগমাস্থায় ব্রহ্মলোকমরিন্দমম্ ॥৮৩॥
বিতুন্নাঙ্গং শরব্রাতৈর্ন্যস্তায়ুধমসৃক্ক্ষরম্। ধিক্কৃতঃ পার্ষতস্তস্তু সর্ব্বভূতৈঃ পরামৃশৎ ॥৮৪॥
তস্য মূর্দ্ধানমালম্ব্য গতসত্ত্বস্য দেহিনঃ। কিঞ্চদব্রুবতঃ কায়াচ্চিচ্ছেদাসিনা শিবঃ ॥৮৫॥

পাইবগুম্ উৎলমলগা আকাশদা খংমুৎ মুৎখি ॥৭৮॥ দ্রোণগী জীবনা নোংগাখিবন্থু অদুগা মাগী পঞ্চভূতকী হকচাংনা উতুপকুম্ খিন্দুনা লৈবন্থু উবদা ধৃষ্টদ্যুম্ন অসি ওহাক্তং শুমহৎখিন্থুনা তুমিন লৈ। দ্রোণনা স্বর্গতি ওইখিবসি উবদা নোংমদোম্বকী গন্ধর্ব্ব অমদি দেবতাশিংনা হুরাউ মুংঙাইবগী খোল্লাউ তোয়না লাউখি ॥৭৯॥ মহারাজ! মহাত্মা ওইরবা দ্রোণনা যোগসাধনতনা মরম ওইন্থনা পরলোক য়ৌখিবসি ঐখোয় মী মঙাতনা উখি ॥৮০॥

ঐ (সঞ্জয়), পৃথানন্দন অর্জ্জুন, শরদ্বানগী মচা কৃপাচার্য্য, বৃষ্ণিবংশগী কৃষ্ণ অদুগা ধর্ম্মগী মচা যুধিষ্ঠির—ঐখোয় মঙাসিতনা খোদোক অদু উখি ॥৮১॥ মহারাজ! জ্ঞানী ওইরবা, কল্লবা ব্রাহ্মণ যোগী অসিনা যোগাসনদা কম্থুনা নোংগাখিবসি ঐখোয় মঙাসি নত্তনা কনাগুম্বা অমতনা উবা কংখিদে। মরম্দি মহারাজ! অসিগুম্বা ইংলোককী হকচাংবু খাদোকতুনা নোংগাবসিগী তত্ত্ব অমদি মহিমাদি স্বর্গগী লাইশিংমকসু লায়না খঙবা ওমদে ॥৮২॥ য়েক্লবা ওথা অকনবা ব্রাহ্মণ দ্রোণনা যোগগী পাম্বৈতনা ঋষিশিংগা লোয়নননা ব্রহ্মলোক য়ৌখিন্থনা অথোইবা খুভমবু কংখিবনি, জ্ঞানী ওইদবা মীনদি খঙবা ওমখিদে ॥৮৩॥ অসোয়দনা, নোংগারমদাই মতমদা, রথমথক্তা কম্লিবা দ্রোণগী হকচাং পুম্বদু অতৎ অথম্ লৈতনা কাপলকপা তেলশিংনা পানবদগী ঈনা পুমত্তে তৈখে। মতম অসিদা দ্রোণ অসি খুৎলায় থাদোকতুনা তুমিন্না কম্থুনা লৈখি। অদুগুম্বা অবস্থাদা লৈরকাওরদা ধৃষ্টদ্যুম্ননা মক্তোক্নেম্বদা কয় চেলশিল্লকই। অউবশিংনা ধৃষ্টদ্যুম্নদা ধিকার ত্রৌখি, অদুগা হাহাকার লাউনরকপাদু কয়িমত্তা খোশাদনা প্রপ্রাপ্ চেশিল্লক্তুনা দ্রোণগী রথ-মথক্তা চোংখৎলকতুনা দ্রোণবু নমন্থনা কাখি ॥৮৪॥ ধৃষ্টদ্যুম্ননা কাবা মতমসিদদি দ্রোণগী প্রাণবায়ুদি ত্থাইরা, দেহদগী, মপান খোকপাবনি অদুগা ধৃষ্টদ্যুম্ননা কাবা মতম অদদা কয়িমত্তা ওাঙ্শকনা তুমিন্না লৈখি। মতমসিদা ধৃষ্টদ্যুম্ননা দ্রোণাচার্য্যগী মশম্, অদু খুৎ নামবা পায়রগা খুৎনামনা

হর্ষেণ মহতা যুক্তো ভারদ্বাজে নিপাতিতে। সিংহনাদরবং চক্রে ভ্রাময়ন্ খড়্গমাহবে ॥৮৬॥

আকর্ণপলিতঃ শ্যামো বয়সাশীতিপঞ্চকঃ। ত্বৎকৃতে ব্যচরৎ সংখ্যে স তু ষোড়শবর্ষবৎ ॥৮৭॥

উক্তবাংশ্চ মহাবাহুঃ কুন্তীপুত্রো ধনঞ্জয়ঃ। জীবন্তমানয়াচার্য্যং মা বধীদ্রুপদাত্মজ! ॥৮৮॥

ন হন্তব্যো ন হন্তব্য ইতি তে সৈনিকাশ্চ হ। উৎক্রোশন্নর্জ্জুনশ্চৈব সানুক্রোশস্তমাব্রজৎ ॥৮৯॥

ক্রোশমানেঽর্জ্জুনে চৈব পার্থিবেষু চ সর্ব্বশঃ। ধৃষ্টদ্যুম্নোঽবধীদ্দ্রোণং রথতল্পে নরর্ষভম্ ॥৯০॥

শোণিতেন পরিক্লিন্নো রথাদ্ভুমিমরিন্দমঃ। লোহিতাঙ্গ ইবাদিত্যো দুর্দ্দর্শঃ সমপদ্যত ॥৯১॥

এবং তং নিহতং সংখ্যে দদৃশে সৈনিকো জনঃ। ধৃষ্টদ্যুম্নস্তু তদ্রাজন্! ভারদ্বাজশিরোঽহরৎ ॥৯২॥

তাবকানাং মহেষ্বাসঃ প্রমুখে তৎ সমাক্ষিপৎ। তে তু দৃষ্ট্বা শিরো রাজন্! ভারদ্বাজস্য তাবকাঃ ॥৯৩॥

থাঙশাংচু হায়গৎতুনা দ্রোণগী মঙক্ ককখ্রে ॥৮৫॥ দ্রোণগী ওক মাওদ্রবা হকচাংনা লৈমায়থক্তা ওন্থখ্রবদা ধৃষ্টগ্যুম্ননা হরাও নুংঙাইবগা লোয়ননা থাঙশাং হাই হাইদুনা সিংহনাদ লাউদুনা জগোই শাখি ॥৮৬॥

তাবিয় মহারাজ! পূক্নীং চঙ্‌না
ঙৌরবা পোক্ল চায়রুংনী কূপ্‌লবা
হকচাংগী কুচুনা শংবায়রবা—
চহীনা মরিফূমঙা শুথ্রবা—
হন্নুরবা কল্লবা দ্রোণাচার্য্যনা—
মহারাজগীদমক্ত থরাই খুবাক্ত চাপ্রবা
পাখং চহী তরাতরুক্ত ঙায়রিবগুম্
লালকম্‌দা অঙকপা মথৌনা উৎখিদো—॥৮৭॥

দ্রোণবু হাৎলমদাই মতম্‌দা কুন্তীগীমচা অর্জ্জুননা—"দ্রোণবু হাৎপিগনু—হাৎপিনু।" "দ্রোণাচার্য্যবু চঙনা কারগা পুখিরকদবনি"—হায়না হন্না হন্না লাউখিবনি ॥৮৮॥ ধৃষ্টদ্যুম্ননা চেলশিন্নকপা মতমত্তুদা লাম্মীশিংনস্থ "দ্রোণবু হাৎপিগনু—হাৎপিগনু" হায়না লাউনখিবনি। অর্জ্জুননস্থ "হাৎপা য়াদে" হায়না লাউরু লাউরগনা ধৃষ্টগ্যুম্নগী তুংদা তানরকখিবনি ॥৮৯॥ অর্জ্জুনমক্লা অদুগা নিংথৌ লাম্মী পুম্নমক্লা অস্থুমা লাউনরক্লকাওবদা ধৃষ্টগ্যুম্ননা কনা অমতগী রা তাদনা দ্রোণগী মঙক্ ককৃখি ॥৯০॥ ধৃষ্টদ্যুম্ননা দ্রোণগী ওকপু ককখিবা মতমত্তুদা ঈনা পূন্নপ লুম্নবা হকচাং অদু তারমদাই মুমিৎকী মশেকী মতৌগুম ঈঙাও ঙাওনা লৈমায় থক্ত তাখি ॥৯১॥ মহারাজ! দ্রোণবু মতৌ অস্থুমা হাৎখিবদো লাম্মীশিংনা মমেক্ লানা উনখি। ধৃষ্টদ্যুম্ননা দ্রোণগী কোক্ অদু মখুৎনা পায়খৎখি ॥৯২॥ মহারাজ! ধৃষ্টদ্যুম্ননা কোক্ অদু পায়রগা মহারাজগী কৌরব

পালায়নকৃতোৎসাহা দুদ্রুবুঃ সর্ব্বতো দিশম্। দ্রোণস্তু দিবমাস্থায় নক্ষত্রপথমাবিশৎ ॥৯৪॥ (যুগ্মকম্)
অহমেব তদাদ্রাক্ষং দ্রোণস্য নিধনং নৃপ।। ঋষেঃ প্রসাদাৎ কৃষ্ণস্য সত্যবত্যাঃ সুতস্য চ ॥৯৫॥
বিধূমামিব সংযান্তীমুল্কাং প্রজ্বলিতামিব। অপশ্যাম দিবং স্তব্ধ্বা গচ্ছন্তং তং মহাদ্যুতিম্ ॥৯৬॥
হতে দ্রোণে নিরুৎসাহান্ কুরূন্ পাণ্ডবসৃঞ্জয়াঃ। অভ্যদ্রবন্ মহাবেগাস্ততঃ সৈন্যং ব্যদীর্য্যত ॥৯৭॥
নিহতা হতভূয়িষ্ঠাঃ সংগ্রামে নিশিতৈঃ শরৈঃ। তাবকা নিহতে দ্রোণে গতাসব ইবাভবন্ ॥৯৮॥
পরাজয়মথাবাপ্য পরত্র চ মহদ্ভয়ম্। উভয়েনৈব তে হীনা নাবিন্দন্ ধৃতিমাত্মনঃ ॥৯৯॥
অন্বিচ্ছন্তঃ শরীরন্তু তাবদ্রাজস্য পার্থিবাঃ। নাধ্যগচ্ছন্ মহাবাজ। কবন্ধাযুতসঙ্কুলে ॥১০০॥
পাণ্ডবাস্তু জয়ং লব্ধ্বা পরত্র চ মহদ্যশঃ। বাণশঙ্খরবাংশ্চক্রুঃ সিংহনাদাংশ্চ পুষ্কলান্ ॥১০১॥
ভীমসেনস্ততো রাজন্। ধৃষ্টদ্যুম্নশ্চ পার্ষতঃ। বরূথিন্যামনৃত্যেতাং পরিষ্বজ্য পরস্পরম্ ॥১০২॥
অব্রবীচ্চ তদা ভীমঃ পার্ষতং শত্রুতাপনম্। ভূয়োঽহং ত্বাং বিজয়িনং পরিষ্বক্ষ্যামি পার্ষত।।
সূতপুত্রে হতে পাপে ধার্ত্তরাষ্ট্রে চ সংযুগে ॥১০৩॥

লাম্মী মরক লাকতুনা লংশিল্লকই। কোক অতুনা পাইশিল্লকপত্ত উবদা কৌরব লাম্মী ময়ামতুনা ক্কায়তুনা চেন্নগদবগী তোই। মতমতুমক্তা দ্রোণ কৌবা হকচাংগী মনুংদা লৈরম্বা জীবনা নোংমদোনথক্তা পাইথোকখিদুনা নক্ষত্রলোক য়ৌখি ॥৯৩ ৯৪॥ মহারাজ। সত্যবতীগী গর্ভদা পোকখিবা মহর্ষি কৃষ্ণদ্বৈপায়ণ ব্যাসগী থৌজাল্দগী দ্রোণনা নোংগাখিবগী থৌরম্ পূম্ব'স মথং মনাও নাইনা মীৎ মক্না উব ফংজখি ॥৯৫॥ অদুগা ঐনা মীৎ মন্না, শংঙাইশেল অমগী মতৌগুম্না মশেক্না পূমঙাল ঙাল্লবা দ্রোণগী লিঙ্গ শরীরনা কুয়োম্ ওইরবা জীবনা নোংমদোন মকোয়বু থিনগাবগুম্ চুমজ্রিং চুম্না পাইখৎখিবদো তশেং তশেংনা উজখি ॥৯৬॥ করে, মসিদি লৈখিসনু, দ্রোণনা শিখিবসি উবদা নীঙবা কাম্নরবা, মপাঙ্গল মথৌনা হল্লবা কৌরব লাম্মীশিং তম্না পাণ্ডব অমদি সৃঞ্জয়শিংনা চেলশিল্লকপা মতমসিদা কৌরব লাম্মী পূম্বা কায়তুনা চেন্নরে ॥৯৭॥ দ্রোণনা। শিরবা তুং অসিদা পাণ্ডব লাম্মীশিংনা কৌরব লাম্মীশিংবু হাচ্চিল্লকপে। মথ্বাইদা থাকলবা থীনা শোক্লবা লাম্মীশিং অতুস্থ করিমত লেঙ ওৎপা ঙমদনা লৈগ্রে ॥৯৮॥ মাতুগী সুমিত্তা কৌরব লাম্মী পূম্নমক থীনা মায়থীবা ফংলতুনা মতুং পোক্লগদৌরিবতু খল্লুবদা, পূক্নীংদা চিংনবা মিপাইবা পোকখিতুনা জয় ওইবগী আশা পূম্বা থাদোকখিতুনা পোথাকম থঙখিজ্রে ॥৯৯॥ মহারাজ। কৌরব লাম্মী তেজোলগী নিংথৌশিংনা দ্রোণগী হকচাং অতু মফম পূম্বদা চৎতুনা থিববু কোক য়াওদবা হকচাংমক্ত পৈথৎ পৈথৎতুনা লৈখিবনা থিব লাকৃপা ফংখিজ্রে ॥১০০॥ অসোম্বদা পাণ্ডবশিংনা সুমিৎ অতুগী জয় ওইবা ফংতুনা, মতুংগী মঙ্গল ওইগদবতু অতুগা অচৌবা মিংচৎ ফংগদবতু উতুনা হয়াও সুংঙাইবগা লোয়নবা পূং শেল যন্ত্র রৈথি-খোংথি, সিংহনাদ লাওনখি ॥১০১॥ মহারাজ। অতুদগী ভীম ধৃষ্টদ্যুম্ন অনীনা লালকম্ ময়ায়দা অমগমগ লেংথৈনতুনা কোয়খিবতু ঐথোয়না উগ্রে ॥১০২॥ য়েক্লবা গুম্বা ধৃষ্টদ্যুম্নদা ভীমনা অম্নমা হায়রকই : "পৃষতনন্দন।

এতাবদুক্ত্বা ভীমস্তু হর্ষেণ মহতা যুতঃ। বাহুশব্দেন পৃথিবীং কম্পয়ামাস পাণ্ডবঃ ॥১০৪॥
তস্য শব্দেন বিত্রস্তাঃ প্রাদ্রবংস্তাবকা যুধি। ক্ষত্রধর্মং সমুৎসৃজ্য পলায়নপরায়ণাঃ ॥১০৫॥
পাণ্ডবাস্তু জয়ং লব্ধা হৃষ্টা হ্যাসন বিশাংপতে।। আরক্ষয়ঞ্চ সংগ্রামে তেন তে সুখমাপ্নুবন্ ॥১০৬॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং দ্রোণপর্ব্বণি
দ্রোণবধপর্ব্বণি দ্রোণবধে চতুঃষষ্ট্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ।০।*

——:(0):——

অকনবা ! কর্ণগা মহাপাপী দুর্য্যোধনগা অনীসিবু ওয়গা ঐনা অমুকন্সু অকন্‌বা নহাক্কা কোয়খিগনি"— ॥১০৩॥ য়াহৈ অসিফাওবদং হায়য়গা ভীমনা মপান্থোম অনি মকৈগল অনিবু ফুয়কূপচুগী থেঙ্গ্নয়া লালকম্ অচু থক্ থক্ নীকহনখি ॥১০৪॥ মহারাজ ! ভীমসেনগী মপান্থোম মকৈগল ফুবগী মখোল অচু তাবদা মহারাজগী কৌরব লাম্মীশিং অচুনা ক্ষত্রিয় ধর্ম্ম থাদোকত্তুনা নীওহন্নমা চেনগদবগী হন্দোক থৈদোক্কয়কলে ॥১০৫॥ মহারাজ ! অসোমদা পাণ্ডব লাম্মীশিংনা লান্দা য়েক্কবা মশিং হন্থহন্দুনা, মচুগী নুমিত্তা মপুং ফানা জয় ওইত্তুনা খোইদোক্না হয়াউ নুংঙাইখি ॥১০৬॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা দ্রোণ পর্ব্বদা দ্রোণ বধপর্ব্বগী মনুংদা দ্রোণবধগী চামহুমফু মরিশুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

———

শ্রীমহাভারতম্

পঞ্চষষ্ট্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

চামহুমফুমঙাশুবা অধ্যায়

(নারায়ণচন্দ্র কাম্মগী মতাং হৌবা)

সঞ্জয় উবাচ।

ততো দ্রোণে হতে রাজন্। কুরবঃ শস্ত্রপীড়িতাঃ। হতপ্রবীরা বিধ্বস্তা ভৃশং শোকপরায়ণাঃ॥১॥
উদীর্ণাংশ্চ পরান্ দৃষ্ট্বা হৃষ্যমাণান্ পুনঃ পুনঃ। অশ্রুপূর্ণেক্ষণাস্ত্রস্তা দীনাশ্চাসন্ বিশাংপতে।॥২॥
(যুগ্মকম্)
বিচেতসো হতোৎসাহাঃ কশ্মলাভিহতৌজসঃ। আর্ত্তস্বরেণ মহতা পুত্রং তে পর্য্যবারয়ন্॥৩॥
রজস্বলা বেপমানা বীক্ষমাণা দিশো দশ। অশ্রুকণ্ঠা যথা দৈত্যা হিরণ্যাক্ষে পুরা হতে॥৪॥
স তৈঃ পরিবৃতো রাজা ত্রস্তৈঃ ক্ষুদ্রমৃগৈরিব। অশক্নুবন্নবস্থাতুমপায়াত্তনয়স্তব॥৫॥
ক্ষুৎপিপাসাপরিগ্লানাস্তে যোধাস্তব ভারত।। আদিত্যেনৈব সন্তপ্তা ভৃশং বিমনসোঽভবন্॥৬॥

সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ। অসিগীতুংদা, দ্রোণনচিংব অকনবা কন্না কন্না হাৎপ্রগাতুং অসিদা খুৎলায়না থাব পানবগী মশা ঈংং নাইহং শারবা কৌরব লাম্মীশিং অহ, মখোয়গী য়েক্লবা পাণ্ডব লাম্মীশিংনা য়াম্না হরাও নুংঙাইবগা লোয়নন্না চোং কনবা নুংঙাইবহু উবদা য়াবনা চীনবান্ থক্ খা প্রক্ প্রক্ কংহুনা মমীৎ মমীত্তগী মপি শিন্দনা তুমিন্না য়াঙাওনদনা লৈনখি॥১-২॥ মহারাজ। অত্রদগী মখোয় পুম্বা য়াম্না মথ্‌াই য়ানা, নীঙবকায়হুনা, ঈশ্বর্ ঙমহৎখিহুনা, তোকম খঙদনা লাউ খোংন খোংনা চেনশিন্নৎকতুনা দুর্য্যোধনগী অকোয়বদা লেপ্লরে॥৩॥ মমাঙেদা দৈত্য নিংথৌ হিরণ্যক্ষবু হাৎপ্রবদা দৈত্যাশিংগী ওইখিবা অবস্থাহুত্তয়া উকুল য়াইফুন্না ঈনা মশা পুম্বা পুমতৈ তৈয়বা কৌরব লাম্মীশিং অসি থক থক্ নীকতুনা লৈনখি। মায়দৈ ভয়া কোয়রৈ লৈহুনা কোইক্ল কোইক্ল য়েংনখি। মপি তয়ং তয়ং চেম্নখি॥৪॥ কৈ নোংশাবু উবদা কিবনা থক্ থক্ নীক্লবা কৌরব লাম্মীশিংনা ঈকোয় কোয়শিন্নকপসিদা তৌকম খঙদ্রবা, মহারাজগী নচাঈবুঙো দুর্য্যোধন অসি মকম্ অহুদা লৈবা য়াবকত্রহনা তুংথম্ন অমদা থৈদোকতুনা থাওখি॥৫॥ ভরতনন্দন, মহারাজ। অয়াং থৌয়াংবগী থৈশাগা নোংমদোহুকী নুমিৎকী থৈশাগা অনীনা চাকথেক্লকপসিদা কৌরব লাম্মীশিং অসি মমায় মকশিন্নথে, লেঙতপা

ভাস্করস্যেব পতনং সমুদ্রস্যেব শোষণম্। বিপর্য্যাসং যথা মেরোর্বাসবস্যেব নির্জয়ম্ ॥৭॥

অমর্ষণীয়ং তদ্‌দৃষ্ট্বা ভারদ্বাজস্য পাতনম্। ত্রস্তরূপতরা রাজন্! কৌরবাঃ প্রাদ্রবন্ ভয়াৎ ॥৮॥

(যুগ্মকম্)

গান্ধাররাজঃ শকুনিস্ত্রস্তস্ত্রস্ততরৈঃ সহ। হতং রুক্মরথং শ্রুত্বা প্রাদ্রবৎ সহিতো রথৈঃ ॥৯॥

বরূথিনীং বেগবতীং বিদ্রুতাং সপতাকিনীম্। পরিগৃহ্য মহাসেনাং সূতপুত্রোঽপয়াদ্ভয়াৎ ॥১০॥

রথনাগাশ্বকলিলাং পুরস্কৃত্য তু বাহিনীম্। মদ্রাণামীশ্বরঃ শল্যো বীক্ষমাণোঽপয়াদ্ভয়াৎ ॥১১॥

হতপ্রবীরৈর্ভূয়িষ্ঠৈর্দ্বিপৈর্বহুপতাকিভিঃ। বৃতঃ শারদ্বতোঽগচ্ছৎ কষ্টং কষ্টমিতি ব্রুবন্ ॥১২॥

ভোজানীকেন শিষ্টেন কলিঙ্গারট্টবাহ্লিকৈঃ। কৃতবর্ম্মা বৃতো রাজন্! প্রায়াৎ সুজবনৈর্হয়ৈঃ ॥১৩॥

পদাতিগণসংযুক্তস্ত্রস্তো রাজন্! ভয়ার্দ্দিতঃ। উলূকঃ প্রাদ্রবত্তত্র দৃষ্ট্বা দ্রোণং নিপাতিতম্ ॥১৪॥

দর্শনীয়ো যুবা চৈব শৌর্য্যেণ কৃতলক্ষণঃ। দুঃশাসনো ভৃশোদ্বিগ্নঃ প্রাদ্রবদ্‌গজসংবৃতঃ ॥১৫॥

রথানাময়ুতং গৃহ্য ত্রিসাহস্রাংশ্চ দন্তিনঃ। বৃষসেনো যযৌ তূর্ণং দৃষ্ট্বা দ্রোণং নিপাতিতম্ ॥১৬॥

গুষ্মকৃত্রে ॥৬॥ মহারাজ! নুমিৎনা নোংমদোন্ থক্তগী তারকপা সমুদ্র ঈপাক্পা কংশিলবা, সুমেরু চীঙ্জাওনা মথক মথা ওনগুম্বা অহুপা ইন্দ্রনা য়েক্লবগী মথুত্তগী মায়থীবা কংলে হায়গুম্বা, দ্রোণনা ভুথিবা থৌদোক্কসি উবদা কৌরব লাম্মী পুম্নমক্ কিবনা মায়গৈ মরি কাংনা চেন্নরকলে ॥৭ ৮॥ গান্ধারদেশগী নিংথৌ শকুনিনা দ্রোণ শিরে হায়বসি তাবদা নিংদোল্ চেন্‌গুম চেনগানখিদুনা মাগী মাগী রথী লাম্মীশিংগা লোয়ননা লালকমদগী লৈথোকখি ॥৯॥ শউস্তনা মাগী রথগী মশা পুম্বা কৃপশিল য়েৎশিল্লবা, শাফু বল্লবা লাম্মীশিংনা মহাক্কী ওইরনা কিরাল মচু মচুনা তগুপ তরেংলবা লাম্মী তেজোম্না মহাক্কী ওইরবা কল্লবা কর্ণসু লাম্মীশিংথুগা লোয়ননা কিদুনা লালকমদগী চেনবা হৌরকলে ॥১০॥

মদ্রদেশগী নিংথৌ শল্যসু শগোল শামুনা থল্লবা, মাগী লাম্মী মপৈনা মাঙ থাদুনা য়েক্লব লাম্মী মপৈরোমদা ইথক্ থক্পা হম্ন য়েং য়েংদুনা নীঙহম্ননা চেনখি ॥১১॥ কৃপাচার্য্যসু অথৌবা লাম্মী গজারোহী য়াওব্রবা, কিরাল তায়বোৎনচিংবদি য়াওরিবা শামু মপৈ অমনা কোয়শিন্দুনা "অরাবনি! অরাবনি! কিরনো-কিরনো!"—হায়দুনা জ্ঞান তাদনা লালকমদা কোয়চেল চেন্নকলে ॥১২॥ কৃতবর্ম্মাসু হাৎখি-শিখিবগী লেম্‌হৌবা ভোজ লাম্মীশিংগা অহুগা কলিঙ্গ আরট্ট, বাহ্লীক দেশগী লাম্মীশিংগা লোয়ননা, মখোঙ য়াঙলবা শগোলশিং অত্থু পুদুনা লালকমদগী চেনখ্রে ॥১৩॥ মহারাজ! উলূকসু দ্রোণশিখ্রে হায়বা পাওসি তাবদা কিমনখ্রদুনা, মমীৎ মনা ঈথক্ থকতুনা খোঙমী লাম্মীশিংগা লোয়ননা হৌদুনা চেনখ্রে ॥১৪॥ শাওং শাদা কজরবা, পাজল-কল্লবা, দুঃশাসনসু য়াম্না মিপাইবগা লোয়ননা মাগী শামু লাম্মীশিংগা লোয়ননা লালকমদগী চেনখ্রে ॥১৫॥ দ্রোণনা ভুথিবসি উবদা বৃষসেনসু রথীলিশিং তরা শামু লিশিং অহুম পুদুনা

গজাশ্বরথসংযুক্তো বৃতশ্চৈব পদাতিভিঃ। দুর্য্যোধনো মহারাজ! প্রাদ্রবত্ত মহারথঃ॥১৭॥
সংশপ্তকগণান্ বৃষ্ট হতশেষান্ কিরীটিনা। সুশর্ম্মা প্রাদ্রবত্রাজন্! দৃষ্ট্বা দ্রোণং নিপাতিতম্॥১৮॥
গজান্ রথান্ সমারুহ্য পরস্তাপি হয়ান্ জনাঃ। প্রাদ্রবন্ সর্ব্বতঃ সংখ্যে দৃষ্ট্বা রুক্মরথং হতম্॥১৯॥
ত্বরয়ন্তঃ পিতৄনন্যে ভ্রাতৄনন্যেঽথ মাতুলান্। পুত্রানন্যে বয়স্যাংশ্চ প্রাদ্রবন্ কুরবস্তথা॥২০॥
চোদয়ন্তশ্চ সৈন্যানি স্বস্রীয়াংশ্চ তথাপরে। সম্বন্ধিনস্তথান্যে চ প্রাদ্রবন্ত দিশো দশ॥২১॥
প্রকীর্ণকেশা বিধ্বস্তা ন দ্বাবেকত্র ধাবতঃ। নেদমস্তীতি মন্বানা হতোৎসাহা হতৌজসঃ॥২২॥
উৎসৃজ্য কবাচনন্যে প্রাদ্রবংস্তাবকা বিভো!। অন্যোন্যং তে সমাক্রোশন্ সৈনিকা ভরতর্ষভ!॥২৩॥
তিষ্ঠ তিষ্ঠেতি ন চ তে স্বয়ং তত্রাবতস্থিরে। ধুর্য্যানুন্মুচ্য চ রথাদ্ধতসূতাৎ স্বলঙ্কৃতাৎ।
অভিরুহ্য হয়ান্ যোধা ক্ষিপ্রং পাদ্ভিরচোদয়ন্॥২৪॥
দ্রবমাণে তথা সৈন্যে ত্রস্তরূপে হতৌজসি। প্রতিস্রোত ইব গ্রাহো দ্রোণপুত্রঃ পরানিয়াৎ॥২৫॥

কয়া চেনখি॥১৬॥ মহারাজ! নচাঈবুভো নিংথৌ দুর্য্যোধনসু শগোল শামু রথী খোঙমী মপৈনা কোয়শিন্দুনা লালকমদগী হাইদোকখি॥১৭॥ মহারাজ! সুশর্ম্মাসু দ্রোণ হাংখিবসি উবদা অর্জ্জুননা হাংখিবগী লৈমহোরিবা সংশপ্তক লাশ্মীশিং থরদু পুদুনা চেল্লে॥১৮॥ অসি নত্তবা অতৈ লাশ্মী পুম্নমকসু দ্রোণ শিখিবাস উব তাবদা অকং অকংবা শগোল শামু রথ মথক্তা চোংখৎ তোংখৎতুনা পঙচেত্ত চেন্নরকলে॥১৯॥ মতৌ অসুম, কৌরব পক্ষগী লাশ্মীশিংনা মপা মপলবু, মচীন মনাওবু, মাগী মাগী মশেন মবাই-মামাশিংবু, মচা মশু লাল য়াওরিবশিংদুবু "চেল্লুনে চৎলুনে!" হায়না থুনা য়াঙনা থৌথৌদুনা হৌ হৌদুনা চেন্নরকলে॥২০॥ অতোপ অতোপ্পা লাশ্মীশিংনা মাগী মাগী মক্সাক—মনাওনচিংববু অদুগা অকনবা লাশ্মীশিংনা মাগী মাগী শাগৈ নাৈতেশিংবু মাগী মাগী মথ্বাই হিংননবা চেন্নখ্রে। হায়না ঈস্তিল্লম্লগা মখোয় মশা মশাসু মায়গৈ তৎা কাংনা চেন্নখ্রে॥২১॥ মশম্ মনা ঈকা কায়বা, মখোঙ মথুং লৈথেকপ্রবা, মশা পুম্বা পুম্মীং থীংলবা, মখোনা মপাঙ্গল য়ৈথৎখ্রবা, তেজবীর্য্য পুম্বা মুংখ্রবা অদুগুম্বা কৌরব লাশ্মীশিং অদুনা "কৌরব তেঙ্গোল ভুম্ব তারে! কৌরব লাশ্মী মখৈ মুংপতারে!"— অসুম্ লাউ—লাউদুনা চেন্নরকলে। মতম অসিদা চেন্দবসি মীশক অনীত মন্ডায়রে॥২২॥ ভরত শাগৈগী অথোইবা মহারাজ! কৌরব পুম্বদু মাগী মাগী লালগী খুংলায় কিজেং—লংথোক্লদুনা চেন্নয়ে। অমগমপা "চেল্লু চেল্লু! চেনসি চৎলু!" হায়না লাউন লাউনদুনা পঙচেত্ত চেন্নরকলে॥২৩॥ "ভাইথো চেনাখিল্লু" হায়বসি কনা অমত্তনা হায়বা য়াওখিদ্রে য়াওগদবা মখোয়সু লোঈনা চেন্নখ্রে। রথী কয়া কয়ানা সারথি য়াওদ্রবা মাগী মাগী রথ অদুদগী—শগোলশিং অদুবু থাদোক্লগা—রথ অদুদগী চোংখদুনা শগোলশিং অদুদা তোংখৎতুনা—মথুনীঙনা খিল্ল খিল্লদুনা খৌ খৌগ্গনা চেন্নখ্রে॥২৪॥ কিরবা মিপাইরবা লাশ্মীশিংনা অসুম্না চেনবা হৌরক্লবদা, চাউরবা ঙা অমনা ঈচেল হুংগৎনা

তত্রাসীৎ সুমহদ্যুদ্ধং শিখণ্ডিপ্রমুখৈর্গণৈঃ। প্রভদ্রকৈশ্চ পাঞ্চালৈশ্চেদিভিশ্চ সকেকয়ৈঃ ॥২৬॥
হত্বা বহুবিধাঃ সেনাঃ পাণ্ডূনাং যুদ্ধদুর্মদঃ কথঞ্চিৎ সঙ্কটান্মুক্তো মত্তদ্বিরদবিক্রমঃ ॥২৭॥
দ্রবমাণং বলং দৃষ্ট্বা পলায়নকৃতক্ষণম্। দুর্যোধনং সমাসাদ্য দ্রোণপুত্রোঽব্রবীদিদম্ ॥২৮॥
কিমিয়ং দ্রবতে সেনা ত্রস্তরূপেব ভারত।। দ্রবমাণাঞ্চ রাজেন্দ্র। নাবস্থাপয়সে রণে ॥২৯॥
ত্বঞ্চাপি ন যথাপূর্ব্বং প্রকৃতিস্থো নরাধিপ।। কর্ণপ্রভৃতয়শ্চেমে নাবতিষ্ঠন্তি পার্থিব। ॥৩০॥
অন্যেষ্বপি চ যুদ্ধেষু নৈবং সেনাদ্রবত্তদা। কচ্চিৎ ক্ষেমং মহাবাহো। তব সৈন্যস্য ভারত। ॥৩১॥
কস্মিন্নিদং হতে রাজন্। রথসিংহে বলং তব। এতামবস্থাং সংপ্রাপ্তং তন্মমাচক্ষ্ব কৌরব। ॥৩২॥
তত্তু দুর্য্যোধনঃ শ্রুত্বা দ্রোণপুত্রস্য ভাষিতম্। ঘোরমপ্রিয়মাখ্যাতুং নাশকৎ পার্থিবর্ষভঃ ॥৩৩॥
ভিন্না নৌরিব তে পুত্রো মগ্নঃ শোকমহার্ণবে। বাষ্পেণাপিহিতো দৃষ্ট্বা দ্রোণপুত্রং রথে স্থিতম্ ॥৩৪॥
ততঃ শারদ্বতং রাজা সব্রীড়মিদমব্রবীৎ। শংসাত্র দ্রবতে সৈন্যং যথা সর্ব্বমিদং কৃতম্ ॥৩৫॥

ঈরোইরকপহুওয়া অশ্বথামানা—য়েক্রব পাণ্ডব লাম্মী তেঙ্গোল লোমদা চেলশিল্লকই—॥২৫॥ মতম অসিদা শিখণ্ডীনচিংবা পাঞ্চাল, প্রভদ্রক, চেদি অমদি কৌরব লাম্মীশিংগা অশ্বথামাগা মায়োক স্নাহুনা থম্ন থেনখি ।৩৬॥ অহুগী তুদা ময়ায় কারবা শামুগুম্বা, মপাঙ্গল মথৌনা লৈরবা, লান্দ লাবগুম কাঙ্গঞ্জবা অশ্বথামানা পাণ্ডব পক্ষগী লাম্মী কয়া কয়া—হাৎলম্লগা উচিন নাচিন্না বম্নবা লাঙ্কক্ অন্তদগী নাম্ছোকখি ॥২৭॥ অদুদগী অশ্বথামানা পাণ্ডব লাম্মী মরক্তগী নাম্ছোকখিহুনা কৌরব লাম্মীশিংনা পঙচেস্ত চেম্নবহু উবদা—দুর্য্যোধনগী নাক্ত চঙশিনহুনা অস্নম্না হায়খি:— ॥২৮॥ "ভরতনন্দন মহারাজ! দুর্য্যোধন! কৌরব লাম্মীশিংনা কিহুনা চেম্লিবসি করিগীনো? অহুগা নিংথৌ নশামক্না মথোয়বু কাজিনবা ওমজিবসিনা করিগী?"—॥২৯॥ 'নিংথৌ! নশামকসু হায়গী মত্তেঙুম্না ঈচঙ থেনা লৈবহু তৌজ্রে। কর্ণনা চিংবকাওবা—হায়গী মওং কীভমদা লৈবা উজ্রে"—॥৩০॥

অকনবা ভরতনন্দন! অতৈ অতৈ মায়গৈদসু লাম্মীশিং অতৈনা অস্নম্না চেনবদি তৌনজিদনকো? করি অমঙ্গল থোক্লবগে, মঙ্গল ওইরিদনা? ॥৩১॥" "কৌরবশাগৈগী নিংথৌ! করম্বা অচৌবা অম লৈথিদবদগী ঐখোয়গী লাম্মীশিংনা অবস্থা অসি কংশ্রিবনো?" ॥৩২॥ নিংথৌ দুর্য্যোধননা অশ্বথামানা হংলিবসি তাবদা থোক্কশ্রিবা, অকিবকংনা চিংনকম-মুংঙাইতকম থোকপা থৌদোক অহু পাক ভন্থা ওমখিজ্রে ॥৩৩॥ মহারাজ! অহানবদা নচা-ইবুংঙো দুর্য্যোধননা অশ্বথামানা মপাশিয়ে হায়বা ঈথঙ-থঙদনা রথমথক্তা তোংহুনা লাকপহু উবদা ঈপাকনুংদা লুম্নবা হিগী মতৌওম অন্নাবগী ঈপাহ্নতা লুম্নুরবনি। অহুগী মথক্ত মহাক্না অমুক্ তোয়না হংজিল্লকপহুদা মিংলুদগী তারকপা পিগী ঈচেম্না মশাহু পুমচোৎ চোংথ্রে ॥৩৪॥ অহুগী তুংদা দুর্য্যোধননা ঈকায়মুংশি অন্নাবগা লোয়ননা কৃপাচার্য্যদা করি হায়রকপগে হায়রবু"আচার্য্য! লাম্মীশিং অসিনা চেম্লিবদি করিগীনো হায়বহু

অথ শারদ্বতো রাজন্নার্ত্তিমার্চ্ছন্ পুনঃ পুনঃ। শশংস দ্রোণপুত্রায় যথা দ্রোণো নিপাতিতঃ ॥৩৬॥
তচ্ছ্রুত্বা দ্রোণপুত্রস্তু নিধনং পিতুরাহবে। ক্রোধমাহারয়ত্তীব্রং পদাহত ইবোরগঃ ॥৩৭॥
ততঃ ক্রুদ্ধো রণে দ্রৌণির্ভৃশং জজ্বাল মারিষ।। যথেন্ধনং মহৎ প্রাপ্য প্রাজ্বলদ্ধব্যবাহনঃ ॥৩৮॥
তলং তলেন নিষ্পিষ্য দন্তৈর্দন্তানুপস্পৃশন্। নিশ্বসন্ন রগো যদ্বল্লোহিতাক্ষোঽভবত্তদা ॥৩৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং দ্রোণপর্ব্বণি
নারায়ণাস্ত্রমোক্ষে অশ্বত্থাম্নো দ্রোণমৃত্যুশ্রবণে পঞ্চষষ্ট্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥ *

আচার্য্যনা অমুক্তা অশ্বত্থামদা হায়রিয়ু" ॥৩৫॥ মহারাজ! অদুদগীদি কৃপাচার্য্যনা অরাবা-মুংঙাইব কয়াগী থম্মোয়দা কারকৃলিবা ইপোমবু নমহত্তুনা, দ্রোণনা মতৌ কয়ম্না লালদা-তুখিবগে হায়বদু মথংশিংনা-অশ্বত্থামাদা তমলকৃলে ॥৩৬॥ মপা দ্রোণ শিগ্রে হায়ব পাউদু তাবদা অশ্বত্থামা অসি মমৈখোঙনা নেৎপ্রবা মহু পুয়বা লিলঙম্ অশাউবা-মুংঙাইতবনা কী-কী কাম্লকৃই ॥৩৭॥ ঈকায়খুম্নবগী মশক ওইরবা নিংথৌ! মৈনা, মকং কান কংলবা শীঙগী, উগী মপৈ কংলগা মৈরি কংনা কম্ন-কম্না চাক্থংলকপদুঙম্না অশ্বত্থামাগী থম্মোয় হকচাং-পুম্বা অশাউবগী মৈনা পুমচাক্ চাকৃলকলে ॥৩৮॥ মতম্ অসিদা অশ্বত্থামাসি মথুৎ অনি প্রোক্-প্রোক্ থেক্তুনা শ্রু-শ্রু নৈদুনা ময়া য়াথক য়াখা ক্রক্-ক্রক্ চীক্তনা মুংশা মপী কুইনা কুইনা চোন্দুনা, মমীৎ অনিদু-ঈ কাদুনা লৈরি ॥৩৯॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা দ্রোণপর্ব্বদা নারায়ণাস্ত্র মোক্ষগী মনুংদা "অশ্বত্থাম্নো দ্রোণ মৃত্যুশ্রবণ" গী হক্ফমঙাগুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

শ্রীমহাভারতম্

ষট্‌ষষ্ট্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ।

চামহুম ফুতরুকশুবা অধ্যায়

(অশ্বত্থামানা রাগকৃপা)

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ।

অধর্ম্মেণ হতং শ্রুত্বা ধৃষ্টদ্যুম্নেন সঞ্জয়!। ব্রাহ্মণং পিতরং বৃদ্ধমশ্বত্থামা কিমব্রবীৎ ॥১॥

সঞ্জয় উবাচ।

ছদ্মনা নিহতং শ্রুত্বা পিতরং পাপকর্ম্মণা। বাষ্পেণাপূর্য্যত দ্রৌণী রোষেণ চ নরর্ষভ! ॥২॥

তস্য ক্রুদ্ধস্য রাজেন্দ্র! বপুর্দীপ্তমদৃশ্যত। অন্তকস্যেব ভূতানি জিহীর্ষোঃ কালপর্য্যয়ে ॥৩॥

অশ্রুপূর্ণে ততো নেত্রে পরিমৃজ্য পুনঃ পুনঃ। উবাচ কোপান্নিশ্বস্য দুর্য্যোধনমিদং বচঃ ॥৪॥

পিতা মম যথা ক্ষুদ্রৈর্ন্যস্তশস্ত্রো নিপাতিতঃ। ধর্ম্মধ্বজবতা পাপং কৃতং তদ্বিদিতং মম।

অনার্য্যস্য নৃশংসস্য ধর্ম্মপুত্রস্য মে শ্রুতম্ ॥৫॥

যুদ্ধেষ্বভিপ্রবৃত্তানাং ধ্রুবং জয়পরাজয়ৌ। দ্বয়মেতদ্ভবেদ্রাজন্! বধস্তত্র প্রশস্যতে ॥৬॥

ধৃতরষ্ট্রনা হায়ঃ—সঞ্জয়! অমরোমদা হাযরগা মপাস্থ ওইবা ব্রাহ্মণস্থ ওইরব, অচুম্বমথক্তা অহলস্থ ওইরবা দ্রোণবু ধৃষ্টদ্যুম্ননা ধর্ম্ম কায়না হাৎখি হায়বসি তাবদা অশ্বত্থামানা কমদৌখি? ॥১॥ সঞ্জয়না হায়ঃ— মহারাজ! পাপী ধৃষ্টদ্যুম্ননা; নমথাক্ তৌদুনা দ্রোণবু হাৎখি হায়বসি তাবদা অশ্বত্থামাগী থম্মোয়দা অশাউবনা ত্তুন শাফুকন্না ঈপোম হৌখি। মমিৎ অনি অত্ত পি ত্রং-ত্রং চেম চেম্না ঈমুক্ ঙাওখি মহারাজ! জীবপান্‌ব পুম্নবু লোইখোক্লগে হায়বগী মতাঙুম্না, যমরাজগী মশাঙুম্ অশ্বত্থামাগী—হকচাং কায়াৎ পুম্নদা অশাউবনা মৈরি কংনা চাকখ্রে ॥২ ৩॥ অদুগী তুংদা মমীৎতগী তারকৃলিবা পিগী ঈন্না অত্ত নপ্‌থোক্ নপ্‌খোক্না, নুংশাশোম থবেৎ থবেৎ হোন্দুনা অশ্বত্থামানা দুর্য্যোধনদা অস্নুম্না হায়রকই—॥৪॥

"পূকচেল পীক্লবা, মহাপাপীশিংনা, খুংলায় রাজদবা ঈপাবু হাৎখিবা, ধর্ম্ম চেনবশিংগী মকোক্লি হায়রম্বা যুধিষ্ঠিরনা পাপকী কর্ম্ম তৌখিবা,—অসি পুম্নমক ঐ-তারে। ধর্ম্ম চেনবনিদি হায়রগা মীনম্বা ঙাঙবা, তমখিরবা যুধিষ্ঠিরগী মরমচৎস্থ ঐ তারে, খঙলে।" ॥৫॥ মহারাজ! দুর্য্যোধন! লালকম্‌দা কৃমুদুনা লান্থোংনরিবশিংগী জয়-পরাজয় অনীথক থোক্লিব ঙাক্লি মথোয় সিগী মঙুংদা অমদি শোয়দনা মথোকলে। পরাজয় অদুগী মঙুংদস্থ কৈতুমশঙবা কাজিন্দুনা

ন্যায়বৃত্তো বধো যস্য সংগ্রামে যুধ্যতো ভবেৎ। ন স দুঃখায় ভবতি তথা দৃষ্টো হি স দ্বিজৈঃ ॥৭॥
গতঃ স বীরলোকায় পিতা মম ন সংশয়ঃ। ন শোচ্যঃ পুরুষব্যাঘ্র! যস্তথা নিধনং গতঃ ॥৮॥
যত্তু ধর্ম্মপ্রবৃত্তঃ সন্ কেশগ্রহণমাপ্তবান্। পশ্যতাং সর্ব্বসৈন্যানাং তন্মে মর্ম্মাণি কৃন্তভি ॥৯॥
ময়ি জীবতি যত্তাতঃ কেশগ্রহণমাপ্তবান্। কথমন্যে করিষ্যন্তি পুত্রেভ্যঃ পুত্রিণঃ স্পৃহাম্ ॥১০॥
কামাৎ ক্রোধাদবিজ্ঞানাদ্দর্পাদ্বাল্যেন বা পুনঃ। বৈধর্ম্মিকাণি কুর্ব্বন্তি তথা পরিভবেন চ ॥১১॥
তদিদং পার্ষতেনেহ মহদাধর্ম্মিকং কৃতম্। অবজ্ঞায় চ মাং নূনং নৃশংসেন দুরাত্মনা।
তস্যানুবন্ধং দ্রষ্টাসৌ ধৃষ্টদ্যুম্নঃ সুদারুণম্ ॥১২॥
অকার্য্যং পরমং কৃত্বা মিথ্যাবাদী চ পাণ্ডবঃ। যো হ্যসৌ ছদ্মনাচার্য্যং শস্ত্রমত্যাজয়ত্তদা।
তস্যাদ্য ধর্ম্মপুত্রস্য ভূমিঃ পাস্যতি শোণিতম্ ॥১৩॥
শপে সত্যেন কৌরব্য! ইষ্টাপূর্ত্তেন চৈব হ। অহত্বা সর্ব্বপাঞ্চালান্ যদি জীবেয়মিত্যুত ॥১৪॥

পুন্দুনা থমখিবগা হাৎখিবগা অনীসিগী মনুংদা হাৎখিবনা অমুক হেন্না কয়িবনি ॥৬॥ লালদা মহাৎ চুম্না হাৎখিবা, মশি চুম্না শিখিবা অদুগী দমক কনাগীসু রাকম লৈতে। মরমদি, ধর্ম্মগী ভক্ত থওবশিংনা মাহুতবু অকনবগী ধর্ম্মনি হায়নৈ ॥৭॥ নিপা অথোইবা, নিংথৌ দুর্য্যোধন! মীশি চুম্ন শিখিবশিং অদুগীসু থোইনা রাক্নকম্ ত্তেংথানক্নকম্ লৈতে। জীব পানবা থুদিংগী অমুক্তং শিব শোয়দবনি। ঐগী ঈপানা নীওহম্নদবা লান্দা মীসি চুম্না শিখিবা অদুগী দমক থোইনা রাক্নকম থোকত্রে। ঐগী ঈপা দ্রোণ হায়বদে হৌজিক বীরলোকত নোংগাগ্রে ॥৮॥ রাকমদি থোকতে হায়ববু লান্মীপুন্বগী মমাওদা ঈপাগী মশম্ পায়দুনা চিংখি হায়বসিদনা ঐগী থম্মোয়দা তাশোক ওইনা থিল্লি ॥৯॥ মচা ঐনা হিংলিঙৈদা ঈপাগী শম্ লাকভুনা চিংখি হায়বসিবু তাদুনা অস্নম মরৈয়বদি মচানিপা পোকপশিংনা মচাগী মপান্দগী লল্ মিংচৎ সম্মাননচিংবা কংগে হায়না আশা তৌবগু করম্ ওমগদৌরিবনো? ॥১০॥ তাইবং মীওইবনা পাপকী থবক তৌনরিবসি অপাম মুংশি হেনমনখিবদগী, অশাউবদগী, ওমহৎখিব জ্ঞান তাখিদবদগী, নাপল ময়ায় কাখিবদগী, পওমনখিবদগী নত্রগ চোন্না কংবা ঈকায়বা নংখিবদগীনি ॥১১॥ অদুনা তমখিনা কত্রবা ধৃষ্টদ্যুম্ননা পওবদগী ঐবু উশিত্তহনা অসিগুম্বা মথা তানিংঙাই লৈতনা তমখিরবা হিংসাগী থবক অসি তৌখ্রিবনি। অদুনা মহাক অসি ঐগী ঈথুক্তা, মানা তৌখিবসিগী চপ চাবা মহৈ য়াম্না থুনয়াঙনা কংগনি ॥১২॥ অদুগা, মীনম্বা ওাঙবা, পাণ্ডুগী মচা যুধিষ্ঠির হায়বদুনা তমখিরবা থবক অসি থোক্নবা মীনম্ব রাহৈ হায়দুনা ঈপাদবু থুৎলায় থাদোকহনখি। নিংথৌ! অদুওম্বা ধর্ম্মপুত্রনি হায়রিবা যুধিষ্ঠিরদুগী ঈবু ওসি রণভূমি অসিনা চুপকনি! ॥১৩॥ কৌরবনন্দন! ঐ রাশকভুনা হায়রি:—পাঞ্চালশিংবু ঐনা ওসি থিত্তা হাৎপ মওমুত্রবা, অদু ওইরবদি, অদুগা মথোয়বু হাত্তনা হিংদুনা মরৈরবা অদু

সর্ব্বোপায়ৈর্যতিষ্যামি পাঞ্চালানামহং বধে। ধৃষ্টদ্যুম্নঞ্চ সমরে হন্তাহং পাপকারিণম্ ॥১৫॥
কর্ম্মণা যেন তেনেহ মৃদুনা দারুণেন বা। পাঞ্চালানাং বধং কৃত্বা শান্তিং লব্ধাস্মি কৌরব ! ॥১৬॥
যদর্থং পুরুষব্যাঘ্র। পুত্রানিচ্ছন্তি মানবাঃ। প্রেত্য চেহ চ সংপ্রাপ্তাত্রায়ন্তে মহতো ভয়াৎ ॥১৭॥
পিত্রা তু মম সাবস্থা প্রাপ্তা নির্ব্বন্ধুনা যথা মায় শৈলপ্রতীকাশে পুত্রে শিষ্যে চ জীবতি ॥১৮॥
ধিঙ্মমাস্ত্রাণি দিব্যানি ধিগ্বাহু ধিক্ পরাক্রমম্। যন্মাং দ্রোণঃ সুতং প্রাপ্য কেশগ্রহমবাপ্তবান্ ॥১৯॥
স তথাহং করিষ্যামি যথা ভরতসত্তম।। পরলোকগতস্যাপি ভবিষ্যাম্যনৃণঃ পিতুঃ ॥২০॥
আর্য্যেণ হি ন বক্তব্যা কদাচিৎ স্তুতিরাত্মনঃ। পিতুর্বধমমৃষ্যংস্ত বক্ষ্যাম্যদ্যেহ পৌরুষম্ ॥২১॥
অদ্য পশ্যন্তু মে বীর্য্যং পাণ্ডবাঃ সজনার্দ্দনাঃ। মৃদ্নতঃ সর্ব্বসৈন্যানি যুগান্তমিব কুর্ব্বতঃ ॥২২॥
নহি দেবা ন গন্ধর্ব্বা নাসুরা ন চ রাক্ষসাঃ। অদ্য শক্তা রণে জেতুং রথস্থং মাং নরর্ষভ ! ॥২৩॥

ওইরবদি ঐনা হেক তৌজরকপা দান ধর্ম্ম, যাগ যজ্ঞ, পুশ্রিগুহান চিংবা তৌত্রনা দান তৌখিবগী মহে পুম্বা মীকুপ্ত মাঙবা ওইরসনু। ॥১৪॥ নিংথৌ। ঐনা ভম্বা উপায়না পাঞ্চাল পুম্ববু হাৎননবা হোৎনগনি। অদুগা মহাপাপী ধৃষ্টদ্যুম্নবু ঐ হাৎকে ॥১৫॥ কুরুনন্দন। ঐনা অথোৎপা থওদে, অরুনবা থওদে, করিগুম্বা উপায় অমনা পাঞ্চাল লাম্মী পুম্নমকপু হাৎলবতদা ঐগী শান্তি ওইগনি ॥১৬॥ নিপা অথোইবা। মীওইবনা মচা নিপা পোক্করিবসি অদুগুম্বা মচা নিপা পোকপা পাম্নরিবসিগী অথোইবা মরম ঐ হাযগে—ইহলোক পবলোক অনীমক্তা অকিবা থুদোংথীবা ফংলবদি মচা হাযবত্নুনা পিতৃ লোকশিংবু উদ্ধার তৌই ॥১৭॥ আঃ। ওন্থে কপনি। ঈপান্থ মনা চীংমুক চাউরবা মচাস্থ ওইববা, শিষ্যস্থ ওইরবা ঐগুম্বনা হিংদুনা লৈরৈঙেদা কনাস্থ লৈত্রবা চঙজফম্ লৈত্রবা অমনা ফংগদবা অবস্থাবু ঐবু পোকপা ঈপানা ফংথ্রবা। ॥১৮॥ আঃ। করি কাম্ননি। ঐগী খুৎলায় ঐগী পাঙ্গল। মীরমলেন্দা ফংদবা ঐগী খুৎলাযশিংসিবু ঐনা চামবক ধিক্কার তৌরি। ঐগী ঈপাজল ঈথৌনাবু হন্না ধিক্কার তৌরি। ঈপা দ্রোণাচার্য্যনা ঐগুম্ব মচা ফংলগা, মাগী মপাবু মীনা মশম্ শাকতুনা চিংহনখিবা। ॥১৯॥ অদুনা, নিংথৌ। নোংগথ্রবা ঈপাগী মকমদা তোল্লিবা লমন অসে, কোক্লনবা থবক অমা তৌগনি ॥২০॥ মীনা মশা মথন্তবু থাগচ্চদে, মাদু পাপনি হায়বা ঐ থওভি। অদুবু, ঈপা হাৎখিবগী সুংঙাইতবনা মাদুগী লমন খুম্নবা, ঈশা ইথন্তগী শক্তি অমদি কদায় কাওবা তৌবা ঙম্বগে হায়বদু ঐ হায়দোকে ॥২১॥ ওসি পাণ্ডবশিংনা কৃষ্ণগা লোয়ননা ঐগী শক্তিদি মমীৎ থীৎনা উহৌরসনু। ঐ ওসি পাণ্ডব তেজোলগী মকমদা প্রলয়গী মৈ ওইনা তেজোল পুম্ববু নৈথাইগে ॥২২॥ নিপা অথোইবা, নিংথৌ। ঐনা ওসি রথ মথক্ত খোঙকম্ চেৎনা তোংদুনা কয় পোক্লপ্রবদা লাই হিংচাবা গন্ধর্ব্বশিংগী মনুংদা কনা অমতনা ঐবু জয় তৌবা ঙম্মোই ॥২৩॥

মদন্যো নাস্তি লোকেঽস্মিন্নর্জুনাদস্ত্রবিৎ ক্বচিৎ। অহং হি জনতাং মধ্যে মধুকাবাবিবাংস্তথা।
প্রয়োক্তা দেবসৃষ্টানামস্ত্রাণাং পৃতনাগতঃ ॥২৪॥
ভ্রূণমিষসনাদস্ত মৎপ্রযুক্তা মহাহবে। দর্শয়ন্তঃ শরা বীর্য্যং প্রপতিষ্যন্তি পাণ্ডবান্ ॥২৫॥
অস্ত সর্ব্বা দিশো রাজন্। ধারাভি রিব সঙ্কুলাঃ। আবৃতাঃ পত্রিভিস্তীক্ষ্ণৈর্দ্রষ্টারো মামকৈরিহ ॥২৬॥
বিকিরন্ শরজালানি সর্ব্বতো ভৈরবস্বনান্। শত্রূন্ নিপাতয়িষ্যামি মহাবাত ইব দ্রুমান্ ॥২৭॥
নহি জানাতি বীভৎসুস্তদস্ত্রং ন জনার্দ্দনঃ। ন ভীমসেনো ন যমৌ ন চ রাজা যুধিষ্ঠিরঃ ॥২৮॥
ন পার্ষতো দুরাত্মাসৌ ন শিখণ্ডী ন সাত্যকিঃ। যদিদং ময়ি কৌরব্য। সকল্যং সনিবর্ত্তনম্ ॥২৯॥
(যুগ্মকম্)

নারায়ণায় মে পিত্রা প্রণম্য বিধিপূর্ব্বকম্। উপহারঃ পুরা দত্তো ব্রহ্মরূপ উপস্থিতঃ ॥৩০॥
তং স্বয়ং প্রতিগৃহ্যাথ ভগবান্ স বরং দদৌ। বব্রে পিতা মে পরমমস্ত্রং নারায়ণং ততঃ ॥৩১॥
অথৈনমব্রবীদ্রাজন্। ভগবান্ দেবসত্তমঃ। ভবিতা ত্বৎসমো নান্যঃ কশ্চদ্যুধি নরঃ ক্বচিৎ ॥৩২॥

ঐনা শীজিন্নগদোরিবা খুংগায় অমদি বিত্থা অসে, অগং অসেদা ঐগা অর্জ্জুনগা ঐখোয় অনাস নত্তনা কনা অমতনা খঙদে-হেন্তে। নোংমদোঙ্কী মথেক্‌নভান্‌, পুনশীনগী মনুদা নুমৎ কৌবা গ্রহনা খ্বাইদগী মকোক ওইবহৌম্না, খুংগায় পায়বশিগী মনুনা এস্থু খ্বাইদগী অখোইবা অমা ওইনা লৈরবান। লাইনাশাবা, লাইগী খুংগায় মক্ত ঐনা লাগকমদা শিজিন্নবা ভাস্ম ॥২৪॥ ভস, ঐগী লাঙ্গ ওসদা, ঐগী লীরুদগী পাইখোকখিবা তেল অমাদ খুংলায় ময়াম্না ঐগী ভৌনভম্বু উংলম্ উংলম্নহনা পাণ্ডবশীবু অমদি মথেয়গী লাম্মী শিংবু নৈগান ॥২৫॥ নিংথৌ, ভাসদ অশ্বথমা ঐগী তেন্থনা; নোংমদোঙ্কুগী তারকপা নোং মরীনরীনা মায়গৈ পূম্বু কৃপশনখবত্তম, লানক্ম্‌ মপুম্‌ অসবু কুপশিনবস্থ ঐথোয়গী পক্কী লাম্মীশিনা মীপুমখোইনা উঙ্গহৌবা তরেগে ॥২৬॥ চাউরবা নোংমুশংকী ঈপান অমনা উজাউশিবু মক্ত মরাম্রাওনা ফুকফুক্ননা লংশেক্পহৌম্না ঐনা খেক্রবা পক্কী নাপল্‌ চাউরবা, অকিবকংনা লাউখোংলবা লাম্মীশংবু লানকম লৈমায় থক্তা তুহনগে। ॥২৭॥ কুরুনন্দন,। নিংথৌ! শীজিন্নবা অহৗ লোইশিন্‌ খোমজিন্‌বগী মস্ত্রগা লোয়নবা শিজিন্নগদোরিবা ঐগী খুংলায়সিং অসিদি অর্জ্জুন; কৃষ্ণ; ভীম; নকুল সহদেব, যুধিষ্ঠির, কন্না ধৃষ্টদ্যুম্ন শিখণ্ডি অমদি সাত্যকি—মথোয় অসিগী মঙুংদা কনা অমতনা খঙবা নত্তে ॥২৮—২৯॥ মমাংঙৈদা ঐবু পোক্পা ঈপা—দ্রোণাচার্য্যনা শাস্ত্রগী বিধি কায়দনা ভগবান্ শ্রীনারায়ণবু বেদগানগী স্তুতিতনা পেলহনখি। করিশুষ্ঠ বরদান অমতং কংগে হায়হনা নারায়ণমস্ত্র অপ তৌখি ॥৩০॥ মতম অহুদা শ্রীনারায়ণনা—মূর্ত্তিওইনা চোংখোরক্লনা কবি বর পাখি হায়, হায়খি। মতম্ অহুদা ঐগী পিতৃ দেবনা নারায়ণাস্ত্র পীবিয়—হায়না বর নিখি ॥৩১॥ নিংথৌ! দেবদেব নারায়ণগী

ন চিদং সহসা ব্রহ্মন্! প্রয়োক্তব্যং কথঞ্চন। ন হ্যেতদস্ত্রমন্যত্র বধাচ্ছত্রোর্নিবর্ত্ততে ।৩৩।
ন চৈতজ্জ্ঞায়তে জ্ঞাতুং কং ন বধ্যেদিতি প্রভো!। অবধ্যমপি হন্যাদ্ধি তস্মান্নৈতৎ প্রযোজয়েৎ ।৩৪।
বধঃ সংখ্যে রথস্যৈব শস্ত্রাণাঞ্চ বিসর্জ্জনম্। প্রযাচনঞ্চ শত্রূণাং গমনং শরণস্য চ।
এতে প্রশমনে যোগা মহাস্ত্রস্য পরন্তপ! ।৩৫।
সর্ব্বথা পীড়িতো হি স্যাদবধ্যান্ পীড়য়ন্ রণে। তচ্চগ্রাহ পিতা মহ্যমব্রবীচ্চৈব স প্রভুঃ ।৩৬।
ত্বং বর্ষিষ্যসি বর্ষাণি শস্ত্রবর্ষাণ্যনেকশঃ। অনেনাস্ত্রেণ সংগ্রামে তেজসা চ জ্বলিষ্যসি ।৩৭।
এবমুক্ত্বা স ভগবান্ দিবমাচক্রমে ততঃ। এতন্নারায়ণাদস্ত্রং তৎ প্রাপ্তং মম বন্ধুনা ।৩৮।
তেনাহং পাণ্ডবাংশ্চৈব পাঞ্চালান্ মৎস্যকেকয়ান্। বিদ্রাবয়িষ্যামি রণে শচীপতিরিবাসুরান্ ।৩৯।
যথা যথাহমিচ্ছেয়ং তথা ভূত্বা শরা মম। নিপতেয়ুঃ সপত্নেষু নিহতেষ্বপি ভারত! ।৪০।
যথেষ্টমশ্মবর্ষেণ প্রবর্ষিষ্যে পুনঃ পুনঃ। অয়োমুখৈশ্চ বিহগৈর্দ্রাবয়িষ্যে মহারথান্।
পরশ্বধাংশ্চ নিশিতানুৎস্রক্ষ্যেঽহমসংশয়ম্ ।৪১।

খুৎলায় পীবা মতম্দা অসুমা হায়খি—ব্রাহ্মণ। নংঙোন্দা পীরিবা খুৎলায় অসিগী প্রভাব (শক্তিনা) না জগৎ অসিদা তাইবং মী কনা অমতনা নংগা মান্নবা থক্ ওন্দ্রোই"॥৩২॥ "অদুগা ব্রাহ্মণ! খুৎলায় অসে, রাখল্ তৌদনা পাক্ হেক্ শীজিন্নগনু। মরম্দি মাসি, য়েক্লবদুবু হাত্রিমখৈ থক্ মুৎপা নাইরোই হল্লক্লোই॥৩৩॥ "কল্লবা ব্রাহ্মণ! খুৎলায় অসিনা হাৎলোইদবসি কনানো হায়বদু হায়না থক্ থওবা ওম্লোই। মাসিনা হাৎপা য়াদববুসু হাৎকনি। অদুনা খুৎলায় অসি অমদ-মদা পঙ্‌শীন্‌ শীজিন্নগনু"—॥৩৪॥ "য়েক্লবা ওস্থা দ্রোণ! খুৎলায় অসিগী মচীন্দগী হিংগে হায়রবদি খুৎলায়সু রথসু থাদোক্তুনা চেনবা অমা, কিরে হায়দুনা খুৎলোম্নবা অমা, য়েক্লব-মুগী মকম্দা খুৎলোমদুনা চঙজবা অমা—অসিনত্তনা অতৈ উপায় লৈতে"—॥৩৫॥ "হাৎপয়াদবা হাৎকন্ থোক্তবা, হাৎহৈদবা মীদা খুৎলায় অসি মীমহাক্ অদুনা শীজিন্নরবদি, মশামক্‌ খুৎলায় অসিগী মশাদগী ওমখৈলৈতবা অরাবা—চৈনা কংগনি—।"—অসিগী তুংদা ঐগী পিতৃদেব—দ্রোণাচার্য্যনা খুৎলায় অদু লৌরবদা দেবদেব শ্রীনারায়ণনা অসুমা হায়খি—॥৩৬॥ দ্রোণ! নঙোন্দা পীরিবা খুৎলায় অসিগী প্রভাবনা নহাক্না লাল্‌কম্দা খুৎলায় মখল্ মখল্ পুথোকপা ওম্গনি। খুৎলায় অসিগী শক্তিনা নহাক্ লালকমদা নশেকনওাম্না পুমথল্ থন্‌গনি॥৩৭॥ অস হায়রম্লগা ভগবান্‌ নারায়ণা অসি নোংমদোম্থক্তা হাইগৎখি। মতৌ অসুমা নারায়ণাস্ত্র—হায়বসি ঐপানা নারায়ণগী ফংখি—॥৩৮॥ অদুনা মমাংঙৈদা দৈত্য—অসুর পুম্নমকপু ইন্দ্রনা থত্তনা নৈখিবদুগুম্না ঐনা খুৎলায় অসিনা পাণ্ডব, পঞ্চাল, মৎস্য, কৈকয়শিংবু নৈথাইগনি॥৩৯॥ ভারতনন্দন! নারায়ণাস্ত্র অসিদগী থোক্‌খিবা খুৎলায়শিং অদুনা ঐনা ওইহন্‌ ওইহনীঙ্‌বা মতং লৌদুনা থাহন্‌ থাহনীংবা য়েক্লবশিংগী অদুদগী হেন্দোক্তুনা শিরবা হাৎলবশিংগী মথক্তা কাওবা পাগনি॥৪০॥ ঐনা অতৈ অথম্ লৈতনা ঐনা নীঙবা মতুংইন্না নুংগী নোং চুথহনগনি।

সোঽহং নারায়ণাস্ত্রেণ মহতা শত্রুতাপন। । শত্রূন্ বিধ্বংসয়িষ্যামি কদর্থীকৃত্য পাণ্ডবান্ ॥৩২॥
মিত্রব্রহ্মগুরুদ্রোহী জাল্মকঃ সুবিগর্হিতঃ। পাঞ্চালাপসদশ্চাদ্য ন মে জীবন্ বিমোক্ষ্যতে ॥৩৩॥
তচ্ছ্রুত্বা দ্রোণপুত্রস্য পর্য্যবর্ত্তত বাহিনী। ততঃ সর্ব্বে মহাশঙ্খান্ দধ্মুঃ পুরুষসত্তমাঃ ॥৩৪॥
ভেরীশ্চাভ্যহনন্ হৃষ্টা ডিণ্ডিমাংশ্চ সহস্রশঃ তথা ননাদ বসুধা খুরনেমিপ্রপীড়িতা।
স শব্দস্তুমুলঃ খং দ্যাং পৃথিবীঞ্চ ব্যনাদয়ৎ ॥৩৫॥
তং শব্দং পাণ্ডবাঃ শ্রুত্বা পর্জ্জন্যনিনদোপমম্। সমেত্য রথিনাং শ্রেষ্ঠাঃ সহিতাশ্চাপ্যমন্ত্রয়ন্ ॥৩৬॥
তথোক্ত্বা দ্রোণপুত্রোঽপি বার্য্যুপস্পৃশ্য ভারত। । প্রাদুশ্চকার তদ্দিব্যমস্ত্রং নারায়ণং তদা ॥৩৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং দ্রোণপর্ব্বণি
নারায়ণাস্ত্রমোক্ষে অশ্বত্থামপ্রতিজ্ঞায়াং ষট্ষষ্ট্যধিকশততমোঽধ্যায় ॥০॥

— — —

মচীন য়েংৎনা পানবা উচেক মানগা খুংলায় মরায়া পাণ্ডবশিংগী মহারথীশিংবু নৈথাইগনি। খুংলায় অসিগী পাম্বৈনা—শীজংমক্ত পুথোক্তনা য়েক্লবশিংবু—হাৎকনি ॥৪১॥ নিংথৌ! ঐনা মতৌ অসুম্না পাণ্ডবশিংবু মায়থীবা পীরগা খুংলায় অসিনা য়েক্লবশিংবু উৎ ওইনা মাগুহনগনি ॥৪২॥ মদ্দপপু, ব্রাহ্মণবু গুরুবু হিংসা তৌবা; পাপী ওইরবা, তম্থিবা থবক তৌরবশিংনা অদুগা তোল্লবা পাঞ্চাল ধৃষ্টদ্যুম্নসু ঙসি ঐগী খুত্তগী মথ্বাই হিংনদি ল্যাম্বোকাথবা য়ারোই—" ॥৪৩॥ অশ্বত্থামাগী অসগুম্বা নাপলগী রাঙাং আস তাবদা কৌরব লান্মী পুম্বা মমায় অমুক গুনশিল্লকলে। অদুদগী কৌবব লান্মী অথোইবশিংনা পুংশেলযন্ত্র-মোইবুংনচিংবা য়ৈথৎ থোংগৎনরকলে ॥৪৪॥ কৌরব লান্মীশিংনা য়ায়া চরাউবগা লোয়ননা পুংশেল্ চাম চাম য়ৈথৎনরকই। শগোলশামুশিংগী খুজিম্না মখোঙনা অদুগা খুংলাব মথল মথম্না নৈহৎলবী পৃথীমাতা অসি মশামক মখোন থোক্লা লাউথোংবদু মঙায়থ্রে। অদুগী তুংদা কল্লবা থোরবা মখোল অসিনা আকাশ পাতাল পূমনিন নিল্হনখি ॥৪৫॥ নোং খোংবগুম্বা খোঞ্জেল অসি তাবদা পাণ্ডবপক্কগী অথোইবা লান্মী-শিংনা পুল্লপ্না তিন্নদুনা থম্খি, রাতানখি ॥৪৬॥ ভরতনন্দন! মহারাজ! অশ্বত্থামাসু নারায়ণ জপতৌদুনা আচমন তৌরগা নারাণাস্ত্রবু পুথোকখ্রে ॥৪৭॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা দ্রোনপর্ব্বদা নারায়ণাস্ত্র মোক্ষগী মমুংদা "অশ্বত্থামা "প্রতিজ্ঞা গী চামহুম্ফু তরুকগুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

———

শ্রীমহাভারতম্

সপ্তষষ্ট্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ।

চামক্ষুকুতরেৎশুবা অধ্যায়।

(সাত্যকি ধৃষ্টদ্যুম্ন খৎনরকপগী মতাং)

সঞ্জয় উবাচ।

প্রাদুর্ভূতে ততস্তস্মিন্নস্ত্রে নারায়ণে প্রভো।। প্রাবাৎ সপৃষতো বায়ুরনভ্রে স্তনয়িত্নুমান্ ।১।
চচাল পৃথিবী চাপি চুক্ষুভে চ মহোদধিঃ। প্রতিস্রোতঃ প্রবৃত্তাশ্চ গন্তুং তত্র সমুদ্রগাঃ ।২।
শিখরাণি ব্যশীর্য্যন্ত গিরীণাং তত্র ভারত।। অপসব্যং মৃগাশ্চৈব পাণ্ডুসেনাং প্রচক্রিরে ।৩।
তমসা চাবকীর্য্যন্ত সূর্য্যশ্চ কলুষোঽভবৎ। সংপতন্তি চ ভূতানি ক্রব্যাদানি প্রহৃষ্টবৎ ।৪।
দেবদানবগন্ধর্ব্বাস্ত্রস্তা আসন্ বিশাংপতে।। কথংকথাঽভবত্তীব্রা দৃষ্ট্বা তদ্ব্যাকুলং মহৎ ।৫।
ব্যথিতাঃ সর্ব্বরাজানস্ত্রস্তাশ্চসন্ বিশাংপতে।। তদ্‌দৃষ্ট্বা ঘোররূপং বৈ দ্রৌণেরস্ত্রং ভয়াবহম্ ।৬।

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ।

নিবর্ত্তিতেষু সৈন্যেষু দ্রোণপুত্রেণ সংযুগে। ভৃশং শোকাভিতপ্তেন পিতুর্বধমমৃষ্যতা ।৭।
কুরূনাপততো দৃষ্ট্বা ধৃষ্টদ্যুম্নস্য রক্ষণে কো মন্ত্রঃ পাণ্ডবেষ্বাসীত্তন্মমাচক্ষ্ব সঞ্জয় ।।৮। (যুগ্মকম)

সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ! অশ্বত্থামানা নারায়ণাস্ত্র অসি পুথোকপা মতমদা নোং ঈথাং থাংজবা আকাশ অসি নোংনা পূমকৃপ কৃপ্‌খ্রে। নোং মরী মরী তারকই। কন্নবা মুংশিংকী ইপোম অমা লাকপা হৌখি ।১॥ সমুদ্র ঈৎক্ হৌই ; মুহারাই, তুরেল্ পুম্বা ঈচেল হংগৎনা চেল্লি ॥২॥ ভরতনন্দন! মহারাজ! রাংল রাংলবা চীঙগী চীঙদোল নীঙথায়রুনা কীম্বরক্ই। শজীশঙাই মপৈ মপৈনা পাণ্ডবপক্ষগী লাম্নী মপৈগী ওয়রোম্‌দা হংগৎহন্দা চেল্লি ॥৩॥ মায়গৈ পুম্বা অমম্বনা কৃপ্‌খ্রে। নুমিৎ মকোয় অসি লৈচিন্ থাবগুম্ ঈমক্ মক্শিল্লি। শাহিং চাবা শা উচেক্না মখে লাংবা হৌই ; লাম্না লাম্না শাইশিল্ চেল্শিল্লক্ই ॥৪॥ মহারাজ! নোংমদোম্বক কৃমৈ ম্নেংবা দেবদানবগন্ধর্ব্বশিংমকসু কিপাইনখি। অসিগুম্বা মহা উপদ্রব অসি উবদা মী পুম্নমক্ চোম্‌লপ্-চোম্‌লপ্ কমম্বনা তুমিন্ তুমিন্ রাতানরক্ই। ॥৫॥ মহারাজ! অশ্বত্থামানা পুথোরক্লিবা খুৎলায়গী শক্তি অসি উবদা নিংথৌ-লাম্নী পুম্নমক্ কিবনা থক্ থক্ নীরুখি ॥৬॥ রাজা তাম্বিবা ধৃতরাষ্ট্রনা সঞ্জয়দা হায়ঃ—সঞ্জয়! অরাবা মু ওায়ভবনা খম্মোয় পুবা রাজবা, মপা হাৎখিবগী মুংঙাইতবা অশাউবগী মৈচাক্পু থাগুবা গুমজবা, অশ্বত্থামানা কৌরবলাম্নীশিংবু হজিল্‌লক্লবদা অদুগা মাদু

সঞ্জয় উবাচ

প্রাগেব বিদ্রুতান্ দৃষ্ট্বা ধার্ত্তরাষ্ট্রান্ যুধিষ্ঠিরঃ। পুনশ্চ তুমুলং শব্দং শ্রুত্বার্জুনমথাব্রবীৎ ॥৯॥

যুধিষ্ঠির উবাচ।

আচার্য্যে নিহতে দ্রোণে ধৃষ্টদ্যুম্নেন সংযুগে। নিহতে বজ্রহস্তেন যথা বৃত্রে মহাসুরে ॥১০॥
নাশংসন্তো জয়ং যুদ্ধে দীনাত্মানো ধনঞ্জয়।। আত্মত্রাণে মতিং কৃত্বা প্রাদ্রবন্ কুরবো রণাৎ ॥১১॥ (যুগ্মকম্)

কেচিদ্ভ্রান্তৈ রথৈস্তূর্ণং নিহতৈঃ পার্ষ্ণিযন্তৃভিঃ। বিপতাকধ্বজচ্ছত্রৈঃ পার্থিবাঃ শীর্ণকূবরৈঃ ॥১২॥
ভগ্ননীডৈরাকুলাশ্বৈরারুহ্যান্যে বিশেষতঃ। ভগ্নাক্ষযুগচক্রেশ্চ যাতাস্ত সমন্ততঃ ॥১৩॥ (যুগ্মকম্)
রথান্ বিশীর্ণানুৎসৃজ্য পদ্ভিঃ কেচিচ্চ বিদ্রুতাঃ। হয়পৃষ্ঠগতাশ্চান্যে কন্থস্তেঽর্দ্ধচ্যুতাসনাঃ ॥১৪॥
গজস্কন্ধেষু সংস্থ্যতা নারাচৈশ্চলিতাসনাঃ। শরার্ত্তৈর্বিদ্রুতৈর্নাগৈর্হৃতাঃ কেচিদ্দিশো দশ ॥১৫॥
বিশস্ত্রকবচাশ্চান্যে বাহনেভ্যঃ ক্ষিতিং গতাঃ। সংছিন্না নেমিভিশ্চৈব মৃদিতাশ্চ হয়দ্বিপৈঃ ॥১৬॥

উবদ। ধৃষ্টদ্যুম্নবু কন্নবগীদমক্ পাণ্ডবশিংগী মন্নুংদা কয়ম্বা মন্ত্রনা তৌনখিবগে? ॥৭-৮॥ সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ। অহানবদা কৌরবলাম্মীশিংনা কায়হুনা চেম্নরক্লবদা অহুগা মখোয়গী লাউথোংবগী খোঞ্জেল অহু তাবদা যুধিষ্ঠিরনা অর্জ্জুনদা হায়খি — ॥৯॥ "অর্জ্জুন। ইন্দ্রনা বৃত্রাসুরবু হাৎ-খিবহুওম্না ধৃষ্টদ্যুম্ননা দ্রোণবু হাৎখিবসিদা কৌরবলাম্মী পুম্নমক্ কিহুনা চেম্ন-কায়নক্লরবনি। মখোয়না জয় ওইবগী আশাপুম্বা থাদোক্তুনা, মায়খোং লাংশিন্ন। মায়গৈ মায় কাংন লালকম্ থাদোক্তুনা মমায় লৈনক্লরবনি ॥১০-১১॥ রথ কয়া কয়াগী কিয়াল-ছত্রনা মকুপ্ মকুপ্ তানা লৈমায়থক্তা তাক্লরবনি। রথ মথক্তা সারথিগী তুংদা কম্বা সারথি শৈশিল্ কথা কয়া তুপ্রবনি। রথশিং অতুগী মথক্ (অম্বারী), মচাক, চাক্কেল্ রথীগী বক্ষম্—পুম্নমক্ শিংগুপ্ শানা তেকলুরবনি। শগোল ঈয়াও য়াওদনা রথ কয়া কয়ানা কোয়রৈ লৈহুনা লৈরম্বনি। মতম অহুদা শগোল লিশিং লিশিংনা মাগী মাগী মনজন্দা য়ায়বা-চোকথরবা নিংথৌ লাম্মী কয়া কয়াবু হাপ্‌কত্তুনা কোয়চেল চেম্নক্লরবনি ॥১২-১৩॥ লাম্মী কয়ানা মাগী মাগী অতেকপা রথ অহু থাদোকলম্ভুনা মখোং খোংনা চেম্নক্লরবনি। শগোল শাবল থক্তগী নাম্বরকত্তুনা মখোং লৌশিন্দুনা থয়াক্-থয়াক্ য়াকয়বা লাম্মী কয়া কয়াবু শগোলশিং অহুনা লৈমায়থক্তা ত্রো-ত্রো চিংহুনা পুনক্লরবনি। ॥১৪॥ য়েত্তুম্ মচীন্‌শাবা তেম্না থাবদা শাম্নু তোংবা লাম্মী কয়া কয়া শামুশিংহুগী মতকুশমগা, মনজনগা অমতা ওইনা তুশিন্-কাজিন্নক্লরবদি। মতম্ অহুদা শামুথক্তা থাবা মখোয়গী আসন [কক্ষম্] শিংহু লৈমায়থক্তা থেক্ থ্রাক্-থ্রোক্ থ্রাক হাইথনক্লরবনি। মতম অহুদা লাম্মী কয়া কয়ানা মশামশাহু তেম্না পুমম্নোম্ য়োমহুনা ঈহংনাউহংশানা মায়গৈ তম্না কাংনা কোয়চেল্ চেম্নক্লরবনি। ॥১৫॥ মখুতা খুংলাক্ য়াওদ্রবা লাপ কুহিং য়াওদ্রবা লাম্মী কয়া কয়ানা মাগী মাগী শাদোংদগী মথৈ

ক্রোশন্তস্তাত। পুত্রেতি পলায়ন্ত্যপরে ভয়াৎ। বাতাঘাতেন চাক্ষোভ্যঃ কম্পমানাভিহতৌজসঃ ॥১৭॥
পুত্রান্ পিতৄন্ সখীন্ ভ্রাতৄন্ সমারোপ্য দৃঢ়ক্ষতান্। জলেন ক্লেদয়ন্ত্যন্যে বিমুচ্য কবচান্যপি ॥১৮॥
অবস্থাং তাদৃশীং প্রাপ্য হতে দ্রোণে দ্রুতং বলম্। পুনরাবর্ত্তিতং কেন যদি জানাসি শংস মে ॥১৯॥
হয়ানাং হেষতাং শব্দঃ কুঞ্জরাণাঞ্চ বৃংহতাম্। রথনেমিস্বনৈশ্চাত্র বিমিশ্রঃ শ্রূয়তে মহান্ ॥২০॥
এতে শব্দা ভৃশং প্রবৃত্তাঃ তীব্রাঃ কুরুসাগরে। মুহুর্মুহুরুদীর্য্যন্তে কম্পয়ন্ত্যপি মামকান্ ॥২১॥
য এষ তুমুলঃ শব্দঃ শ্রূয়তে লোমহর্ষণঃ। সেন্দ্রানপ্যেষ লোকাংস্ত্রীন্ ভক্ষ্যাদিতি মতির্মম ॥২২॥
মন্যে বজ্রধরস্যৈষ নিনাদো ভৈরবস্বনঃ। দ্রোণে হতে কৌরবার্থং ব্যক্তমভ্যেতি বাসবঃ ॥২৩॥
প্রহৃষ্টরোমকূপাঃ স্ম সংবিগ্না রথপুঙ্গবাঃ। ধনঞ্জয়। গুরুং শ্রুত্বা তত্র নাদং সুভীষণম্ ॥২৪॥
ক এষ কৌরবান্ দীর্ণানবস্থাপ্য মহারথ। নিবর্ত্তয়তি যুদ্ধার্থং মৃধে দেবেশ্বরো যথা ২৫

অর্জ্জুন উবাচ।

উদ্যম্যাত্মানমুগ্রায় কর্ম্মণে বীর্য্যমাস্থিতাঃ। ধমন্তি কৌরবাঃ শঙ্খান্ যস্য বীর্য্যমুপাশ্রিতাঃ ॥২৬॥

মকোক্ যুংন যুংন হাইথুনরুরবনি। মখোয়না হাইথরকৃপা মতমদা চাকানা তকৃপদা, শগোল, শামুশিংগী মখোংনা নেৎপদা কয়া কয়া মশক্ মিশা থঙদমখৈ নৈহৎলুরবনি ॥১৬॥ কয়া কয়ানা "বাবা! খুড়া! মামা! ঈপাগী ঈবুঙো!"--অমম্হায়না লাউয় লাউরগুনা কিবনা থকৃথক্ নীক্ত্না চেন্নরুরবনি। অযাম্বনা শুম হাৎনখিদুনা মপামচা মচানমনাওশিংগী মশক্ কাওবা থঙন-রুরবনি ॥১৭॥ লাম্মী কয়া কয়ান ঈহংনাইহং শাবা মপা মচা, মচামনাও, শাগৈনাচৈ, মরুপ শংবু মহেংবান্দা হাপকৎহাপকত্না চেম্থোক্লরগা মাখোয়গী লালফু'রৎনচিংবা কিজেৎশিং অহু লোথোক্ত্না মখোয়বু ঈশিংনা চামথোক্তুনা মফম মফমদা লায়কল্লরকবনি ॥১৮॥ অর্জ্জুন! দ্রোণনা হেক শাথবদা কৌরব লাম্মী পূম্নগক্ হাযরিবা অবস্থা অসি লোইনা কংনরুরবনি। কীবম্ অসি য়োরুবা কৌরব লাম্মীশিং অসিবু কনানা কৌশল্লক্ত্না অমুক্ মমায় ওনশিল্লকৃলিবনো? ॥১৯॥ সগোলশিংনা খেক্ল খেক্ল খোংবগী; শামুশিংনা অমুক্ মমায় কানা খোংনরকৃপগী অহুগী রথগী চাকাশিংনা লৈমায়গা তবরকপগী পুল্লপ পুনবা মখোয়া লালকম্ অসি থকৃথক্ নীক্ল তারকৃলি ॥২০॥ কৌরব তেঙ্গোল ঈপাকসু'দগী কাখৎলকপা খোল্লাউ-ঈথকী ওয়া হয়া খোংলকৃপগী মখোয়া ঐগী পণ্ডব-পক্ষগী লাম্মীশিংগী থম্মোয়বু থক্ থক্ নীকহল্লি ॥২১॥ হন্দক্ তারকলিবা অকিবগী মশক্ কংলবা খোল্লাউ অসে তাবদা ইন্দ্রগা লোয়নননা মহোল অহুবু থুগাইবা ওমগদৌবা মখো'য় ॥২২॥ ঐনা অহুম্ খনবদা, অর্জ্জুন! মখোল অসে ইন্দ্রমকোনি হায়না খল্লি। দ্রোণ হাৎখিবতুদা ইন্দ্রমশামক্না কৌরবপক্ষদা তোংহুনা চঙ্লক্লমাল্লে হায়না খল্লি ॥২৩॥ অর্জ্জুন! কৌরবলাম্মীশিংগী খোল্লাউ অসি তাবদা ঐখোয়গী পক্ষগী লাম্মীপুম্বা কিবনা থকৃথক্ নীক্লরি। মশা মশাদা তুহ্নংবা পোক্লি ॥২৪॥ অহুনা; ইন্দ্রমকো মতোঙবা করগা মহাবীর মহারথীনা কায়রনা চেন্নরুবা কৌরব লাম্মীশিংগী মপুক্লোং থোগত্না অমুক্ মখোয়বু কৌশিল্লকলিবনো!" ॥২৫॥ অর্জ্জুননা হায়:—

যত্র তে সংশয়ো রাজন্ ! তত্রাশ্বত্থামা হতে । ধার্ত্তরাষ্ট্রানবস্থাপ্য ক এষ নদতীতি হ ॥২৭॥
শ্রীমন্তং তং মহাবাহুং মত্তদ্বিরদগামিনম্ । আখ্যাস্যাম্যুগ্রকর্ম্মাণং কুরূণামভয়ঙ্করম ॥২৮॥ (বিশেষকম্)
যস্মিন্ জাতে দদৌ দ্রোণো গবাং দশশতং ধনম্ ব্রাহ্মণেভ্যো মহার্হেভ্যঃ সোঽশ্বত্থামৈষ গর্জতি ॥২৯॥
জাতমাত্রেণ বীরেণ যেনোচ্চৈঃশ্রবসা যথা । হেষতা কম্পিতা ভূমির্লোকাশ্চ সকলাস্ত্রয়ঃ ॥৩০॥
তচ্ছ্রুত্বান্তর্হিতং ভূতং নাম তস্যাকরোত্তদা । অশ্বত্থামেতি সোঽদ্যৈষ শূরো নদতি পাণ্ডব । ॥৩১॥
(যুগ্মকম্)

যো হ্যনাথ ইবাক্রম্য পার্ষতেন হতস্তথা । কর্ম্মণা সুনৃশংসেন তস্য নাথো ব্যবস্থিতঃ ॥৩২॥
গুরুং মে যত্র পাঞ্চাল্যঃ কেশপক্ষে পরামৃশৎ । তন্ন জাতু ক্ষমেদ্‌দ্রৌণির্জানন্ পৌরুষমাত্মনঃ ॥৩৩॥
উপচীর্ণো গুরুর্মিথ্যা ভবতা রাজ্যকারণাৎ । ধর্ম্মজ্ঞেন সতা নাম সোঽধর্ম্মঃ সুমহান্ কৃতঃ ॥৩৪॥
চিরং স্থাস্যতি চাকীর্ত্তিস্ত্রৈলোক্যে সচরাচরে । রামে বালিবধাদ্‌দ্রোণে নিপাতিতে ॥৩৫॥

"য়াম্বুং মহারাজ ! মহাকী মপাম্বোম্ পাজলগী অহুগা বিদ্যাগী মথক্তা অাশা পূম্বা থম্‌হুনা কৌরব-লাম্মীশিংসিনা অকিবগী মশক্ ওইরবা থবক্ অমা তৌগদবগীদমক্ পুংশেলযন্ত্র পূম্বা খোংগৎয়ৈখৎ-নরক্লবা, অহুগা মথুন্তা থুৎলায় য়াওদবা দ্রোণবু হাৎখিবদা চেম্রুরবা কৌরব লাম্মীশিংবু কৌশিন্দুনা মপুক্নীং খোগৎহুনা অমুক্ কৌশিল্লক্কনা মহা মশামক্ সিংহনাদ লাউ লাউহুনা চঙশিন্‌লক্লিবা অকনবা নিপা অসিগী মরমদা য়াম্বুংনা চিংনবিরি । ময়ায় কারবা শামুগুম্বা, তৌঙমদবা থবক্ তৌগুম্বা, কৌরবলাম্মীশিংগী ঙাক্‌লো ওইরিবা, অকনবগী গুণ কর্ম্ম খিবিক্লা তিল্লবা নিপা অসিগী মরমদা হায়রগে"—॥২৭-২৮॥ মহাক্ পোক্‌পা সুমিত্তা কল্লবা মপা দ্রোণাচায্যনা ব্রাহ্মণ-শিংদা শম্বী চাম-চাম দান তৌখিবা—অশ্বত্থামানি, ঙংহুনা চঙশিল্লকালবসে । ॥২৯॥ অশ্বত্থামা হায়বা অকন্‌বসি পোক্‌পা মতমদা ইন্দ্রগী উচ্চৈঃশ্রবা হায়বা শগোল অহুনা খোংবগুম্ হৌনা লাউহুনা মরোল অহুম্বু থক্ থক্ নীক্‌হনখি । মাগী খোঞ্জেল তাবদা মশক্ উংন্দনা কনাগুম্বা দেবতা অমনা "মাগী মামংদি অশ্বত্থামা ।" অম্বুম্ হায়না লাউরক্কনা অকনবা অসিগী মমিং খোনখি । য়াম্বুং মহারাজ ! অশ্বত্থামা হায়বাসনা কৌরবলাম্মীশিংগা লোয়নননা ঙংহুনা, জগৎ অসিবু চাক্‌খেক্‌হল্লগে হায়বগী মতাগুম্ চঙাশল্লক্লি ॥৩০-৩১॥ মহারাজ । ধৃষ্টদ্যুম্ননা য়াম্মা তমাথ-রবা মওংদা, কনাম্বু য়েংবিনবা য়াওদ্রবা মওংদা লৈবগুম্ তৌরবা দ্রোণাচার্য্যবু হাৎখি । অহুবু মহারাজ ! হৌজিক্ মহাক্কী য়েংশিনাবনবা অকনবা নিপা অমা থোরক্লে ॥৩২॥ ধৃষ্টদ্যুম্ননা ঐগী গুরু দ্রোণগী মকোক্ লাক্কনা চিংখি । মচা অশ্বত্থামাসনা মশামথন্তগী শক্ত খঙজহুনা ধৃষ্টদ্যুম্নবু লেম্ব থক্ থাদোকলোইদৌরি ॥৩৩॥ মহারাজনা । অরেম্বদা গুরুসেবা অমাদ গুরুভক্ত তৌবিরক্লি । মরমদি—মহারাজনা ধর্ম্মগী ভক্ত থঙন থঙনা লৈপাক সিংহাসন অমগীদমক্ক মিথ্যবাদী ওইবরক্লে ॥৩৪॥ মহারাজ ! ত্রেতাদা, রামনা ধর্ম্ম কায়না বালিবু হাৎলুবগী থীরবা মিংচৎনা মতম কুইনা লৈরিবা অসি-গুম্বা, মহারাজগী কল্লবা মিংচৎ-কলঙ্ক অসিম্বু মরোল মহমদা মতম কুইনা লৈহোবা তারে ॥৩৫॥

সর্ব্বধর্ম্মোপপন্নোঽয়ং মম শিষ্যশ্চ পাণ্ডবঃ। নায়ং বক্ষ্যতি মিথ্যেতি প্রত্যয়ং কৃতবাংস্ত্বয়ি ॥৩৬॥
স সত্যকঞ্চুকং নাম প্রবিষ্টেন ততোঽব্রবম্। আচার্য্য উক্তো ভবতা হতঃ কুঞ্জর ইত্যুত ॥৩৭॥
ততঃ শস্ত্রং সমুৎসৃজ্য নির্ম্মমো গতচেতনঃ। আসীৎ সুবিহ্বলো রাজন্! যথা দৃষ্টবান্ বিভুঃ ॥৩৮॥
স তু শোকসমাবিষ্টো বিমুখঃ পুত্রবৎসল। শাশ্বতং ধর্ম্মমুৎসৃজ্য গুরুঃ শিষ্যেণ ঘাতিতঃ ॥৩৯॥
ত্যক্তশস্ত্রমধর্ম্মেণ ঘাতয়িত্বা গুরুং ভবান্। রক্ষত্বিদানীং সামাত্যো যদি শক্নোতি পার্ষতম্ ॥৪০॥
প্রস্তমাচার্য্যপুত্রেণ ক্রুদ্ধেন হতবন্ধুনা। সর্ব্বে বয়ং পরিত্রাতুং ন শক্যামোঽদ্য পার্ষতম্ ॥৪১॥
সৌহার্দ্দং সর্ব্বভূতেষু যঃ করোত্যতিমানুষঃ। সে হস্ত কেশগ্রহং শ্রুত্বা পিতুর্দ্ধক্ষ্যতি নো রণে ॥৪২॥
বিক্রোশমানে হি ময়ি ভৃশমাচার্য্যগৃধ্নি। অপাকীর্য্য স্বকং ধর্ম্মং শিষ্যেণ নিহতো গুরুঃ ॥৪৩॥
যদা গতঃ বয়ো ভূয়ঃ শিষ্টমল্পতরঞ্চ নঃ। তস্যেদানীং বিকারোঽয়মধর্ম্মোঽয়ং কৃতো মহান্ ॥৪৪॥

পিতেব নিত্যং সৌহার্দ্দাৎ পিতেব হি চ ধর্ম্মতঃ।
সোঽল্পকালস্য রাজ্যস্য কারণান্নিহতো গুরুঃ ॥৪৫॥

"পাণ্ডুনন্দন যু'ধষ্ঠির হায়বসে, ধর্ম্মপূম্বা থঙলবনি ধর্ম্মচেনবনি, অহুগী মথক্তা ঐগীদি শিষ্যনি। মানা ঐগী ঈকমদা মীনম্বা থক্ ঙাঙলোই" অস্নয় থন্দুনা গুরুদ্রোণনা যাম্মুং মহারাজগী মথক্তে য়াম্না বিশ্বাস তৌখিবনি। ॥৩৬॥ তোববু'দ—মহারাজনা, "শিম্বিবদি শামুনি"--হায়বা অচুম্বসিনা মপাম্দা কুপ্লবা মীনম্বগী রাঙাং অহুগী মঙ্গুংদা থুপ্তুনা গুরুদেবদা রা অত্র হায়দোক্'পখিবনি॥৩৭॥ মহারাজ! মহারাজগী চীন্দগী রাহু হেক্ তাবদগী থাজমন্খিহ্নুনা মতীক্ মঙুণ চাউরবা কল্লবা গুরুদ্রোণনা খুৎলাই থাদোক্তুনা সংসারগী অপাম্বা মুংশিবগী পৌরীদগী নাম্থোক্খিহ্নুনা, মথ্বাই ফাওবা পাম্মুদনা জ্ঞান য়াওদনা, রথমথক্তা ধ্যান তৌহুনা লৈখিবনি ॥৩৮॥ অসি থ্বাইগী মথক্তা মতম্ পূম্বদা ধর্ম্মগী লম্বীদা কায়দনা চৎপিরক্লবা মহারাজনা, মচাগীদমক্তা রারবা, মচা কায়নবগী মৈনা চাক্লবা, খুৎলায় য়াওদ্রবা গুরুদেব দ্রোণাচার্য্যবু মহাক্কী শিষ্য (ধৃষ্টদ্যুম্ন) থাজিন্দুনা হাৎ-হন্‌বিখি ॥৩৯॥ অহুনা মথুক্ত খুৎলায় যাওদ্রবা গুরুবু ধর্ম্ম কায়না হাৎহন্‌খিবা ওম্বিরবনিনা, হৌজিক্ অশ্বত্থামাসিগী মথুক্তগী মহারাজনা খোঙমী লাম্মী পূম্নমক্তা লোয়ননা ধৃষ্টদ্যুম্নবু কনবস্নু ওম্বিয় ॥৪০॥

গুরু দ্রোণচার্য্যগী মচা অশ্বত্থামানা হৌজিক্, মপা হাৎখিবগী শাউবনা ধৃষ্টদ্যুম্নবু যোৎকদবগী ফুজিল্লক্লি। মসিদা ঐখোয় থ্বায় হৌহুনা মাবু কনবদদি মঙস্নরোই। ॥৪১॥ তাইবং মীয়মদ ওইদবা লমচৎ অমদি শক্তিনা মহাক্কী ওইবা, জীবপানবা খিবিক্ত মুংশীহৈবা অশ্বত্থামা হায়বহুনা ওসি, মপাবু শম্ পায়হুনা চিংহুন হাৎখিবগী অশাউবা মুংঙাইতবনা ঐখোয় পুম্ববু চাক্থেকদোয়রি ॥৪২॥ গুরু দ্রোণাচার্য্যবু থরাইবু কল্লিংবদগী "হাৎকম্নু! হাৎকম্নু! দ্রোণবু হাৎকম্নু।" হায়না ঐমক্তা হন্না হন্না লাউরকাওবদা মাগী শিষ্য ধৃষ্টদ্যুম্ননা ধর্ম্মকায়না হাৎখ্রে ॥৪৩॥ ঐখোয়গী পুনশিগী শরুক অয়াম্ব হোৎখ্রে। হৌজিকসু খিত্ত ঙায়রে, লেমহৌখিবা! লেমহৌখিবা পুনশিগী শরুক অসিগী খ্‌নায় লোইখিননবগী বিকার (উপদ্রব) সু হৌজিক্ থ্‌ংলে। অহুবু, ওস্থোকপনি! মহা পাপ মহা অধর্ম্মগী থবক অমা ঐখোয়না তৌরুরে ॥৪৪॥ ওস্থোকপনি!

ধৃতরাষ্ট্রেণ ভীষ্মায় দ্রোণায় চ বিশাংপতে। বিসৃষ্টা পৃথিবী সর্ব্বা সহ পুত্রৈশ্চ তৎপদে ॥৪৬॥
সংপ্রাপ্য তাদৃশীং বৃত্তিং সৎকৃতঃ সততং পরৈঃ। বৃণীতে সততং পুত্রমেবাভ্যধিকং গুরুঃ ॥৪৭॥
অবেক্ষমাণস্ত্বাং মাঞ্চ ত্যক্তাস্ত্রস্ত্বাহবে হতঃ। ন ত্বেনং যুধ্যমানং বৈ হন্যাদপি শতক্রতুঃ ॥৪৮॥
তস্যাচার্য্যস্য বৃদ্ধস্য দ্রোহো নিত্যোপকারিণঃ। কৃতো হ্যনার্য্যৈরস্মাভী রাজ্যার্থে লঘুবুদ্ধিভিঃ ॥৪৯॥
অহোবত মহৎ পাপং কৃতং কর্ম্ম সুদারুণম্। যদ্রাজ্যসুখলোভেন দ্রোণোঽয়ং সাধু ঘাতিতঃ ॥৫০॥
পুত্রান্ ভ্রাতৄন্ পিতৄন্ দারান্ জীবিতঞ্চৈব বাসবিঃ।
ত্যজেৎ সর্ব্বং মম প্রেম্ণা জানানোঽবং ॥৫১॥

সঞ্জয় উবাচ।

অর্জ্জুনস্য বচঃ শ্রুত্বা নোচুস্তত্র মহারথাঃ। অপ্রিয়ং বা প্রিয়ং বাপি মহারাজ। ধনঞ্জয়ম্ ॥৫২॥
ততঃ ক্রুদ্ধো মহাবাহুর্ভীমসেনোঽভ্যভাষত। কুৎসয়ন্নিব কৌন্তেয়মর্জ্জুনং ভরতর্ষভ ॥৫৩॥

ঐখোয়বু ঈপাগুম্ সুংশিবিরম্ব। ধর্ম্মগী লম্বীদা য়েংণবিরবসু বিস্তাদসু ঈপামক ওইরবা গুরুদেব অহুবু করিসু লৈত্রবা মতমকুইনসু ঐখোয়গী ওইরোইদোবা রাজ্য মচেৎ অসিগী দমক ঐখোয়না হাৎননবা পীল্লুরে। ॥৪৫॥ য়াম্মুং মহারাজ। মমাভৈদা ধৃতরাষ্ট্রনা রাজ্য মপুম অসি ভীষ্ম দ্রোণ অনীদা মচাশিং অমদি ধনসম্পত্তি পুম্নমক্ত। লোয়ননা দান তৌখোকপ্রবনি ॥৪৬॥ অহুবু গুরুদেবহুনা অহুক য়াম্বা বৃত্তি অহুবু কংহুনসু অহুগা নিংখৌগী অমাদি প্রজাশিংগী মানমর্য্যাদা সম্মান কয়া কয়া কংহুনসু—মীচম অমগুম্ন ঐবু মচা অশ্বত্থামামক্তদগীসু হেম্না সুংশিবিরহনি ॥৪৭॥ আঃ। মহারাজ। গুরুদেবহুনা রথ মথক্তা ঐঙোন্দা অহুগা য়াম্মু'দা মপুক্লীং সুংশিবগী অহুগা অরাবগী—মীৎয়েং য়েংগম্বনি। অহুম্ তৌরিঙৈ মক্তদা ধৃষ্টদ্যুম্ননা গুরুদেবহুবু হাৎখি। গুরুহুনা খুৎলায় থাদোক্তহুনা লালবু হেক মশোক্লম্নবদি ইন্দ্রনকসু মাবু হাৎপা ঙম্মোইদোবনি ॥৪৮॥ ঐখোয়দি, য়াম্মুং মহারাজ। য়াম্না তোল্লবা, কত্রবা পাপীমক্ত ওইরে। ঐখোয়গী কননবত খনবিরম্বা, অহুনা ওইরবা, গুরু—ব্রাহ্মনসু ওইরবা দ্রোনাচার্য্যগী মকখদা তমখিনা হিংসা তৌখ্রে। ॥৪৯॥ আঃ। ওম্মোকপনি। মহা পাপকা থবক অমবু ঐখোয়না তৌখ্রে। করিসু লৈত্রবা লৈপাক অমগীদমক্তা, সিংহাসন মচা অমগী দমক্ত গুরুহত্যা তৌরুবে ॥৫০॥ "অর্জ্জুন হায়বা নিপাসে ঐবু সুংশিবনা, ঐগী দমক্তনি হায়রবদি মমা মপা, মচীন মনাও সুপী অত্তাং কাওরা পুনশিগী থাদোকপা ঙম্গদৌরিবনি" অসুম হায়না গুরুদেব দ্রোণাচার্য্যনা পুক্লীংদা হেক হেক খনবিরবনি ॥৫১॥ সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ। অর্জ্জুনবা অসুম্না হায়রকপা মতমসিদা অত্তাবা পুম্নমক্তা অর্জ্জুনদা অকব কত্তবা বা অমত খুমখিদ্রে, তুমিন তুমিন লৈরখি ॥৫২॥ অদুম্ মহারাজ। অর্জ্জুনগী বাসি তাবদা ভীমনা য়াম্না শাউনা অর্জ্জুনদা অসুম্না অকনবা য়াহৈনা হায়খি:—॥৫৩॥ "অর্জ্জুন। তপোবনদা লৈবা, যোগী মুনি অহুগা

মুনির্যথারণ্যগতো ভাষসে ধর্ম্মসংহিতম্। ভ্রষ্টব্রতো যথা পার্থ! ব্রাহ্মণঃ সংশিতব্রতঃ॥৫৪॥
ক্ষতাত্ত্রাতা ক্ষতাজ্জীবন্ ক্ষন্তা স্ত্রীষপি সাধুষু। ক্ষত্রিয়ঃ ক্ষিতিমাপ্নোতি ক্ষিপ্রং ধর্ম্মযশঃশ্রিয়ঃ॥৫৫॥
স ভবান্ ক্ষত্রিয়গুণৈর্যুক্তঃ সর্ব্বৈঃ কুলোদ্বহঃ। অবিপশ্চিদ্যথা বাচং ব্যাহরন্ নাদ্য শোভতে॥৫৬॥
পরাক্রমস্তে কৌন্তেয়! শক্রস্যেব শচীপতেঃ। ন চাতিবর্ত্তসে ধর্ম্মং বেলামিব মহোদধিঃ॥৫৭॥
ন পূজয়েত্ত্বাং কো ন্বদ্য যস্ত্রয়োদশবার্ষিকম্। অমর্ষং পৃষ্ঠতঃ কৃত্বা ধর্ম্মমেবাভিকাঙ্ক্ষসে॥৫৮॥
দিষ্ট্যা তাত! মনস্তেঽদ্য স্বধর্ম্মমনুবর্ত্ততে। আনৃশংস্যে চ তে দিষ্ট্যা বুদ্ধিঃ সততমচ্যুত!॥৫৯॥
যত্তু ধর্ম্মপ্রবৃত্তস্য হৃতং রাজ্যমধর্ম্মতঃ। দ্রৌপদী চ পরামৃষ্টা সভামানীয় শত্রুভিঃ॥৬০॥
বনং প্রব্রাজিতাশ্চাস্ম বল্কলাজিনবাসসঃ। অনর্হমাণাস্তং ভাবং ত্রয়োদশ সমাঃ পরৈঃ॥৬১॥
এতান্যমর্ষস্থানানি মর্ষিতানি ময়ানঘ!। ক্ষত্রধর্ম্মপ্রসক্তেন সর্ব্বমেতদনুষ্ঠিতম্॥৬২॥ (বিশেষকম্)
তমধর্ম্মমপাক্রষ্টুমারব্ধঃ সহিতস্ত্বয়া। সানুবন্ধান্ হনিষ্যামি ক্ষুদ্রান্ রাজ্যহরানহম্॥৬৩॥

দণ্ডনীতিদগী মমায় কৈপ্রবা, ব্রতউপাসনাতদ পূক্লিং চঙলব। ব্রাহ্মণ অমগী মতৌগুম্না নংনা ঙাঙবা শারি"। ॥৫৪॥ "তাও! অর্জ্জুন! ক্ষত্রিয় হায়বদি—য়েন্নবগী মথুত্তগী অতোপ্পা অমবু কনবিবা ওম্বা, য়েন্নবগী মথুত্তগী মশা বনবা ওম্ব', সধু মহাত্মা ওইবশিংগী অতুগা মুপীশিংগী অরানববু ঙাকপিহৈবা—মহাক অতুতবুনি। অতুগুম্বা ক্ষত্রিয়শিংতনা মি'চৎ, ধর্ম্ম (পুণ্য), সম্পত্তি ফংবা ঙম্বনি" ॥৫৫॥ "অর্জ্জুন। ক্ষত্রিয় অমা ওইবগী গুণ পুম্বনা তিল্লবা মীশক অম ওইরে হায়রগা, নংনা মুর্খ অমগী মতৌগুম্না রা ঙাঙলি। মাহ্ন নং'গুম্ব অমগী মকমদাদ ফজবা থর রাৎলি" ॥৫৬॥ অর্জ্জুন! শচীপতি ইন্দ্রগীগুম্বা থৌনা পাঙ্গম্না নহাক্কীনি। সমুদ্র ঈপাক্না মাগী চাংজোবু লাম্বোক্তবগুম্ব' নহাকস্ত ক্ষত্রিয ধর্ম্মগী লীকলম্বু থক লাম্বোকস্ত ॥৫৭॥ অশাউববু নমহৎতুনা চাহ তরাহুমদোই চুপ্পা বনদা ধর্ম্মবু ঙাকতুনা লাকলি। মসিদা কনানো নংগী নথৌনা অমদি কর্ম্মসিদা নিন্দা তৌগদবা? ॥৫৮॥ মীনুংশি থগবা, ধর্ম্মচেনবা অর্জ্জুন! অসিয়ৌর কাওবা নংগী থম্মোয়দা মীনুংশিথগবগী ধর্ম্মনা লেঙদনা লৈরি। নংগী বুদ্ধিনা কুমিৎ চুপ্পা মীগী অরানবা ঙাবপিবগী ধর্ম্মদা মমায় ওনশিল্লি। মাসিস্ত নংগী ঐগী লাইবক্ ফবা অমনি ॥৫৯॥ য়াম্মুং যুধিষ্ঠিরনা পোকপদগী ধর্ম্মগী লীকলম্ কায়দনা লাক্‌পিরি। অদুগা যেক্লবশি'না অমরোমদা ধর্ম্ম কায়না; নম্‌থাক লৌ'মুনা রাজ্য-সম্পাতি লোইনা লৌহৌরে। চৌরুরগী সভাদ হ য়থিব' জ্রৌপনচিংবসিগী মমাঙদা দ্রৌপদীবু মশম্ পায়দুনা সভাময়ায় পুশিলহল্লকৃথি। ঐখোয়সি নিংথৌগী মচা ওাক্তনি; উকুশেং-জটাপুদুনা বনদা চৎপদা মতৌক চাবর'? অদুবু যেক্লবাশিংসিনা ঐখোয়বু উকুশেং জটা পুহন্দুনা বনদা চহী তরাহুমদোই অরাবা থাগুহনখি। ভীম ঐনা মাহ্ন পুম্নমক্কী অশাউবদু নমহৎখি। পাপ য়াওজবা অর্জ্জুন! অরাবা ঃয় মৃগ রাশক অমদি ধর্ম্মগীদমক্ত থাগুজুয়বা তুংসিদা ঐখোয় হৌজিক ক্ষত্রিয়মচা ওইবগী ধর্ম্মগী লম্বী অমদি থবক্তা চঙশিল্লকৃলি ॥৬০—৬২॥ অসিগী মৎক্তা ঐখোয়স্ত নংগা লোয়ননা পাপকী থবক্ পুম্নমক্ সিগী প্রতিকার

ত্বয়া হি কথিতে পূর্ব্বং যুদ্ধায়াভ্যাগতা বয়ম্। ঘটামহে যথাশক্তি ন তু মোহস্তু জুগুপ্সন ॥৬৪॥
স্বধর্ম্মং নেচ্ছসি জ্ঞাতুং মিথ্যা বচনমেব তে। ভয়াদিতানামস্মাকং বাচা মর্ম্মাণি কৃন্তসি ॥৬৫॥
বপন্ ব্রণে ক্ষারমিব ক্ষতানাং শত্রুকর্ষণ।। বিদীর্য্যতে মে হৃদয়ং ত্বয়া বাক্শল্যপীড়িতম্ ॥৬৬॥
অধর্ম্মমেনং বিপুলং ধার্ম্মিকঃ সন্ ন বুধ্যসে। যত্ত্বমাত্মানমস্মাংশ্চ প্রশস্যান্ ন প্রশংসসি ॥৬৭॥
বাসুদেবে স্থিতে চাপি দ্রোণপুত্রং প্রশংসসি। যঃ কলাং ষোড়শীং পূর্ণাং ধনঞ্জয়! ন তেঽর্হতি ॥৬৮॥
স্বয়মেবাত্মনো দোষান্ ব্রুবাণঃ কিং ন লজ্জসে। দারয়েয়ং মহীং ক্রোধাদ্বিকিরেয়ঞ্চ পর্ব্বতান্ ॥৬৯॥
আবিধ্যেতাং গদাং গুর্ব্বীং ভীমাং কাঞ্চনমালিনীম্। গিরিপ্রকাশান্ ক্ষিতিজান্ ভঞ্জেয়মনিলো যথা ॥৭০॥
ত্রাসয়েয়ং শরৈশ্চাপি সেন্দ্রান্ দেবান্ সমাগতান্। সরাক্ষসগণান্ পার্থ! সাসুরোরগমানবান্ ॥৭১॥
স ত্বমেবংবিধং জানন্ ভ্রাতরং মাং নরর্ষভ! দ্রোণপুত্রাদ্ভয়ং কর্ত্তুং নার্হস্যমিতবিক্রম! ॥৭২॥

অমদি সংস্কার তৌবাহৌরক্লি। অসিগী তুংদা ঐখোয়না য়েক্নবশিংবু অহৎপা মথোয়গী পাপকী থবক আসদা মীচঙ ওইখিবশিংদুবুসু—অমথঙদে-অমথঙদে লোইনা হাংকনি ॥৬৩॥ ঈহান্ হানবদা লাল অসি শোক্নসরা-শোক্নুসিরা হায়না থমবা মতমদা নহাকনক লানশোক্নবদা মতম্ পী থ অহুগী মতুং ইন্না ঐখোয়না ওম্বা শক্তি মতুং ইন্না লাল অসিবু অয় তৌননবসু হোৎনরক্লি। অহন্ অর্জ্জুন! করিগীনো নংনা ওসি লান্দা মী (য়েক্নবা) হাৎপবু নিন্দা তৌরিবা? ॥৬৪॥ ক্ষত্রিয়-ধর্ম্মগী তত্ত্ববু নংনা মুম্না খিজিন্নৌওজ্রে। অহুনা নংনা পুরিবা রাথল অমদি ওাঙখোক্নকলিবা রাশিংসে অর্থ ঈয়াও য়াওদে। ঐখোয় হোৎজিক অশ্বত্থামাগী আক্রমন অসিদা মিপাইনরি। ঐখোয়গী পুক্নীংদা অকিবা চিংনবা পোক্লি। তাঙ্গাসিদা নহাক্না অমুক্ ঐখোয়গী থম্মোয়বু তাশোলগুম্বা রাহৈমক্তুনা কম্না থিল্লি ॥৬৫॥ য়েক্নবা ওম্বা! অর্জ্জুন! নংনা নহাক্কী রাওাং অসিনা ঐখোয়গী থম্মোয়দা অপাংপা হোগায়বা মকমদা থুমহি হৈজিনবগুম্ তাহুনা খাওহুনা লৈবা ওম্মোইদৌবা অরাবা-মুংওাইতবা-শাউনিংবা পোক্হল্লি ॥৬৬॥ অর্জ্জুন! খাপংনীডায় ওইরগা নখাবু অহুগা ঐখোয়বুসু থাগৎতুনা পুক্নীং থৌগত্রি। মসিমক্ য়াম্না চাউপ্রবা অধর্ম্ম অমনি। য়ামি, নহাক্ ধর্ম্ম খঙবা নিপা অম ওইন-ওইনা খঙশিন্নজে ॥৬৭॥ অর্জ্জুন! নহাক্না কৃষ্ণ লৈন লৈনা মাগী মাঙমক্তদা অশ্বত্থামাবু থাগৎলি। অহুগা অশ্বত্থামাদি—নহাক্না পানরুরবদি নহাক্কী শরুক্ তরাতরুক্ থোক্লগা শরুক্ অম কংবা নত্তে ॥৬৮॥ অর্জ্জুন! নংনা নশামক্কী পক্ষগী দোষ পুথোক্লগা ঈকায়জত্রিবা করিগীনো? য়েংউ! ভীম ঐনা শাউরবদি পৃথীবু থিন্গাইবা ঙমগনি। চীঙচুম্সুং ককায়থুনা লংথোকপা ঙমগনি ॥৬৯॥ য়েংঙু! সনরীক্ পরেংনা য়েৎলবা, চাউরবা, অকিবগী মশক্ কংলবা গদা অসিবু উরুরুক্ লৈরগা মাহুগী শউম্ অহুনা কন্নবা মুংশিংকী ইপোম্ অম-ঙুম্না চীঙমুক্ চাউরচাউরবা উপাম্বীশিংবু লাক্লাক্তুনা লংথোকপা ঙমগনি। ॥৭০॥

অর্জ্জুন! ভীম ঐসু তেজ্জনা ইন্দ্রগা লোয়ননা হেক্ লাক্লিবা লাইহিংচাবা অসুর লিল—তাইবং মী পুম্নমক্পু মমায় ওন্দুনা চেলহনবা ঙমগনি ॥৭১॥ ওমৃথৈলেতনা কন্থহৈবা!

অথবা তিষ্ঠ বীভৎসো ! সহ সর্ব্বৈঃ সহোদরৈঃ। অহমেনং গদাপাণির্জ্জেষ্যাম্যেকো মহাহবে ।৭৩।

ততঃ পাঞ্চালরাজস্য পুত্রঃ পার্থমথাব্রবীৎ। সংক্রুদ্ধমিব নর্দ্দন্তং হিরণ্যকশিপুং হরিঃ ।৭৪।

ধৃষ্টদ্যুম্ন উবাচ।

বীভৎসো ! বিপ্রকর্ম্মাণি বিদিতানি মনীষিণাম্। যাজনাধ্যাপনে দানং তথা যজ্ঞপ্রতিগ্রহৌ ।৭৫।

ষষ্ঠমধ্যয়নং নাম তেষাং কস্মিন্ প্রতিষ্ঠিতঃ। হতো দ্রোণো ময়া যেবং কিং মাং পার্থ ! বিগর্হসে ।৭৬।

অপক্রান্তঃ স্বধর্ম্মাচ্চ ক্ষত্রং ধর্ম্মং ব্যপাশ্রিতঃ। অমানুষেণ হন্ত্যস্মানস্ত্রেণ ক্ষুদ্রকর্ম্মকৃৎ ।৭৭।

তথা মায়াং প্রযুঞ্জানমসহ্যং ব্রাহ্মণব্রুবম্। মায়য়ৈব নিহন্যাদ্‌যো ন যুক্তং পার্থ ! তত্র কিম্ ।৭৮।

তস্মিংস্তথা ময়া শস্তে যদি দ্রৌণায়নী রুষা। কুরুতে ভৈরবং নাদং তত্র কিং মম হীয়তে ।৭৯।

ন চাদ্ভুতমিদং মন্যে যদ্দ্রৌণিঃ শুদ্ধগর্জ্জনাৎ। ঘাতয়িষ্যতি কৌরব্যান্ পরিত্রাতুমশক্নুবন্ ।৮০।

অর্জ্জুন ! অসিগুম্বা ঐসি নংগী নয়াবনি। মাসি নওনা খঙ্না খঙ্না দ্রোণগী মচা অশ্বত্থামাবু থোইনা ফিকম্ থোক্কে ॥৭২॥ "অহুগা অর্জ্জুন ! নহাক্, ননাওশিংগা অহুগা য়াম্বু' মহারাজগা লোয়ননা মকম্ অমদা লাম্থেংনহনা লৈয়ু। ঐ ঐগী গদাসিতনা অশ্বত্থামাবু লালকমদা জয় তৌগে" ॥৭৩॥ — অসিগী তুংদা হিরন্য কশিপুনা থোইনা শাউরবা ঙংলবা নৃ সংহগী মশকপুরবা ভগবান বিষ্ণুদা হায়রকপহৌগুম্বা ধৃষ্টদ্যুম্ননা অর্জ্জুনদা অস্রুম্বা হায়রকই:— ॥৭৪॥ "বীভৎসু ! অর্জ্জুন ! নাপলথাওদবা ! জ্ঞানী পণ্ডিতশিংনা ব্রাহ্মণশিংগী মথৌ অমদি ধর্ম্ম লোইনা খঙ্ভি। যজমানশিংবু যজ্ঞ তৌহনবা, মশামকস্ম তৌবা, বিদ্যাতম্বিবা, দানতৌবা-লৌবা — অসিনি ব্রাহ্মণগী মথৌ ॥৭৫॥ অহুগ ব্রাহ্মণগী তরুকশুবা মথৌদি মুমিৎচুপ্পা বেদশাস্ত্র তম্বা-নৈনবা — অসিনি। হায়রিবা থবকশিং অসিগী মমু'দা ব্রাহ্মণ দ্রোণ হায়বহনা করি কয়স্বা অমতং তৌবা লৈখি ? অহনা, পৃথানন্দন ? অর্জ্জুন ! লালদা খুৎলায় পায়হনা চোংথোরক্লবা, য়েক্লবগী মীচং দ্রোণবু ঐনা হাৎলুরে। মাসিদা ঐবু অস্রুক থীনা নিন্দা তৌরিবসি করিগীনো ? ॥৭৬॥ দ্রোণনা ব্রাহ্মণগী ধর্ম্ম-কর্ম্ম অনীমক্ থাদোক্লুনা ক্ষেত্রিয়গী ধর্ম্মদা দিক্ষা লৌপ্রবনি। অহুগা পাপীশিগী পক্ষদা য়াওহনা তোল্লবা কত্রবা থবকৃত তৌক্লুনা তাইবংমীনা খঙবাঙমদবা খুংলায় মক্লনা ঐখোয়দা কয়া থীনা-থীনা থাখি। জীব কয়া হাৎখি। ॥৭৭॥ মমু'দা লম্হই লৌশিংগুম্ব কয়াতৌহনা লালকমদা অমনা হাইজিনবা য়াদবা মীশক্ অমা ওইনা লৈরম্খি। অহনা পৃথানন্দন ! ছলনা ওইরবস্থু বলমা ওইরবস্থু মরৈ মরা চাউরবা 'মবুদ্ধি চেল্লবা, তোল্লবা, য়েক্লবা ব্রাহ্মণহবু হাৎপদা করি অয়ানুবা লৈবগ্রগে ? ॥৭৮॥ অসিগুম্বা ব্রাহ্মণবু ঐনা লালকমদা লোইথোকপিগ্রবদা, মাগী মচাসিনা হৌজিক্ ঙংহনা ফুজিন্জরক্লি অসিনা ঐতোন্দা কৈদৌচরনি ? মাসিদা করি ঐগী অমাঙবা থোক্কনি ? ॥৭৯॥ অশ্বত্থামানা কৌরব লাশ্মীশিংবুদি ঙাকপা ঙম্দনা ঙংত-ঙংহনা, লাউ-খোংহনা লৈখোক্লগা ঐখোয়বু তুম্বা হাৎহনগদৌরি। মাসিদা থোইনা ঙককম্ অমা করি লৈবগে ? মাসি থোইনা ঙককম্ থোক্কে হায়না ঐনা খল্লি ॥৮০॥

যচ্চ মাং বাগ্মিকো ভূত্বা ব্রবীষি গুরুঘাতিনম্। তদর্থমহমুৎপন্নঃ পাঞ্চাল্যস্য সুতোঽনলাৎ ॥৮১॥
যস্য কার্য্যমকার্য্যং বা যুধ্যতঃ স্যাৎ সমং রণে। তং কথং ব্রাহ্মণং ব্রূয়াঃ ক্ষত্রিয়ং বা ধনঞ্জয়! ॥৮২॥
যো হ্যনস্ত্রবিদো হন্যাদ্ব্রহ্মাস্ত্রৈঃ ক্রোধমূর্চ্ছিতঃ। সর্ব্বোপায়ৈর্ন স কথং বধ্যঃ পুরুষসত্তম! ॥৮৩॥
বিধর্ম্মিণং ধর্ম্মবিদ্ভিঃ প্রোক্তং তেষাং বিষোপমম্। জানন্ ধর্ম্মার্থতত্ত্বজ্ঞ! কিং মামর্জ্জুন! গর্হসে ॥৮৪॥
নৃশংসঃ স ময়াক্রম্য রথ এব নিপাতিতঃ। তন্মাভিনন্দ্যং বীভৎসো! কিমর্থং নাভিনন্দসি ॥৮৫॥
কালানলসমং পার্থ! জ্বলনার্কবিষোপমম্। ভীমং দ্রোণশিরশ্ছিন্নং ন প্রশংসসি মে কথম্ ॥৮৬॥
যোঽসৌ মমৈব নান্যস্য বান্ধবান্ যুধি জগ্নিবান্। ছিত্ত্বাপি তস্য মূর্দ্ধানং নৈবাস্মি বিগতজ্বরঃ ॥৮৭॥
তচ্চ মে কৃন্ততে মর্ম্ম যন্ন তস্য শিরো ময়া। নিষাদবিষয়ে ক্ষিপ্তং জয়দ্রথশিরো যথা ॥৮৮॥
অবধে চাপি শত্রূণামধর্ম্মঃ শ্রূয়তেঽর্জ্জুন!। ক্ষত্রিয়স্য হি ধর্ম্মোঽয়ং হন্যাদ্ধন্যেত বা পুনঃ ॥৮৯॥
স শত্রুর্নিহতঃ সংখ্যে ময়া ধর্ম্মেণ পাণ্ডব!। যথা ত্বয়া হতঃ শূরো ভগদত্তঃ পিতুঃ সখা ॥৯০॥

মধ্যমপাণ্ডব! অর্জ্জুন! ধর্ম্মখঙবা নিপা অম ওইরম্বা নহাক্না ঐবু গুরুহন্তা (গুরুহত্যাতৌবা) অমনি হায়রি। মাসিগী মরম্‌দা ঐ হায়গে, তাও! ঐ অসি অর্জ্জুন! দ্রোণগী মৃত্যুগী মশক লৌদুনা দ্রুপদনিংথৌগী মচা ওইনা যজ্ঞগী কুণ্ডদগী চোংথোরকপনি ॥৮১॥ ধনঞ্জয়! লালশোক্লবা মতম্‌দা তৌগদবা—তৌরোইদোবা অনীমক্ মঙোন্দা চপ্ মান্ননা থোকপা মহাক্ অদুবু নহাক্না ব্রাহ্মণনি ক্ষত্রিয়নি, হা—অদুনি হায়বগী করি কান্নবা লৈ? ॥৮২॥ নিপা অথোইব! অশাউবনা জ্ঞান তাখিদ্রবা, ব্রহ্মাস্ত্রবু খঙদহৈত্তবগী মকম্‌দা শীজিন্নবা অদুগুম্বা মশাকপু কারগুম্বা উপায় অমনা হাৎলবদা করি দোষ লৈ? মাবু হাৎলোইদোরিবসি কারগীনো? ॥৮৩॥ ধর্ম্ম পুম্বগী তত্ত্ব-খঙলবা অর্জ্জুন! ধর্ম্ম খঙবশিংনা মথোয়গী বিধর্ম্মী শংবু হূমক্তি হায়না খল্ল। মাদু খঙন খঙনা নহাক্না করিগুম্ব উপায় অমনা হু অদু কোক্লনবা হোৎনবা ঐবু নিন্দা তৌরি? ॥৮৪॥ বীভৎসু! নশানৎস্তব নিন্দা তৌগম্বা! কল্লবা, তমথিরবা দ্রোণ অদুবু ঐনা তমাথরবা থবক্না আক্রমন তৌদুনা মথ্‌ৎই লৌরে। মসিদা ঐ অসি আশীর্ব্বাদ, প্রশংসা অমদ মনামথেল কংকম থোক্লবনি। অদুবু করিগী ঐবু নংনা নিন্দা তৌরি? ॥৮৬॥ ঐগী শাগৈ নাতৈ মরূপ মপাং লোইনা হাৎখ্রিবদো দ্রোণননি, অতৈনা নত্তে। ঐদ মাগী মঙক কক্লক ওবদ অশাউবা কোকত্রি, পেত্রি ॥৮৭॥ অর্জ্জুন! নহাক্না জয়দ্রথগী মঙক কক্লগা মাদু থুনক কয়া লাপ্পা লাকভুনা লংথি। ঐদি মাদুমকগু তৌত্রি। অদুবু করিগীনো নহাক্না ঐগী থম্মোয়বু তাশোলগী মশক ওইরবা রাহৈনা থিনগাইরি? ॥৮৮॥ অর্জ্জুন! লালকমদ মেক্লাবু হাৎননবা খুদোং চাবা কংন কংনা হাত্রবদি মাদুবুসু পাপনি হায়নৈ। ক্ষত্রিয়গী ধর্ম্ম হায়ববু লান্দা অমনা হাৎলখিবা, মত্রগা অমবু (য়েক্লববু) হাৎপা—অসিতনি ॥৮৯॥ পাণ্ডুনন্দন! নহাক্ ঐগী ঈপাগী মরূপ অকনবা ভগদত্তবু হাৎখিবদুগুম্না ঐসু লালকমদা য়েক্লবা দ্রোণবু হাৎলে ॥৯০॥

পিতামহং রণে হত্বা মন্যসে ধর্ম্মমাত্মনঃ। ময়া শত্রৌ হতে কস্মাৎ পাপে ধর্ম্মং ন মন্যসে ॥৯১॥
সর্ব্বাবনতং পার্থ! ন মাং ত্বং বক্তুমর্হসি। স্বগাত্রকৃতসোপানং নিষাদমিব দন্তিনম্ ॥৯২॥
ক্ষমামি তে সর্ব্বমেব বাগ্‌ব্যতিক্রম অর্জ্জুন!। দ্রৌপদ্যা দ্রৌপদেয়ানাং কৃতে নাক্তেন হেতুনা ॥৯৩॥
কুলক্রমাগতং বৈরং মমাচার্য্যেণ বিশ্রুতম্। তথা জানাত্যয়ং লোকো ন যূয়ং পাণ্ডুনন্দনাঃ ॥৯৪॥
নানৃতী পাণ্ডবো জ্যেষ্ঠো নাহং বাঽধার্ম্মিকোঽর্জ্জুন!।
শিষ্যদ্রোহী হতঃ পাপো যুধ্যস্ব বিজয়স্তব ॥৯৫॥

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ।

সাঙ্গা বেদা যথান্যায়ং যেনাধীতা মহাত্মনা। যস্মিন্ সাক্ষাদ্ধনুর্ব্বেদো হ্রীনিষেবে প্রতিষ্ঠিতঃ ॥৯৬॥
তস্মিন্নাক্রুশ্যতি দ্রোণে মহর্ষি তনয়ে তদা। নীচাত্মনা নৃশংসেন ক্ষুদ্রেণ গুরুঘাতিনা ॥৯৭॥
যস্য প্রসাদাৎ কর্ম্মাণি কুর্ব্বন্তি পুরুষর্ষভাঃ। অমানুষাণি সংগ্রামে দেবৈরপ্যকরাণি চ ॥৯৮॥
তস্মিন্নাক্রুশ্যতি দ্রোণে সমক্ষং পাপকর্ম্মণা।
নামর্ষং তত্র কুর্ব্বন্তি ধিক্ ক্ষাত্রং ধিগমর্ষিতাম্ ॥৯৯॥ (কলাপকম্)
পার্থাঃ সর্বে চ রাজানঃ পৃথিব্যাং যে ধনুর্দ্ধরাঃ। শ্রুত্বা কিমাহুঃ পাঞ্চাল্যং তন্মমাচক্ষ্ব সঞ্জয়! ॥১০০॥

অর্জ্জুন! নহাক্না নবুধো ভীষ্মবু হাৎপদাদ ধর্ম্মান হায়না খল্লগা ঐনা ঐগী অমাদ ঈপাগী য়েক্লবা হাৎপদদি ধর্ম্মমাক্ল হায়না কারগী খল্দে? ॥৯১॥ অসগী মথক্তা পৃথানন্দন! কুত্থরবা শামুনা মাগী মখোঙনা মনাতোম্নচিবা হকচাংগী শরুক্ল কৈয়াক ওইহন্দুনা মথক্তা মী কাহনবা মতমদা মক্ল লুকপা নোম্থবদুঙ্ময়া অকনবা নহাক্না ঐবু নোলহন্‌বাদ য়ারোই ॥৯২॥ করে; মসিককা লায়রি। মাসি থমখো, অর্জ্জুন! দ্রৌপদী অমদি মাগী মচাশংগী মমাম্ন য়েংহুনা নহাক্ন' ঐঙোন্দা তৌগ্রবা নিন্দা ময়ামদো ঐ খোইদোক্না রা ওইনা লোঙ্কবান, নহাকপু ঙাক্লবনি ॥৯৩॥ ঈপা ইপু হাক্তক্তগী দ্রোণাচার্য্য হায়বদি ঐখোয়গী য়েক্লব ওইরকালবনি। মাসি লোক সমাজ পূম্বনা খঙলিবনি। অদুবু পাণ্ডবশিংনদি মাসি মুম্না খঙদে ॥৯৪॥ অদুনা অর্জ্জুন! যুধিষ্ঠির হায়বসে মিথ্যাবাদী নত্তে, ঐশু ধর্ম্মখঙদবা পাপী হায়বগু ওইদ্রে। অদুন শিষ্যবু হিংসা তৌবা পাপী দ্রোণবু হাৎপনি অদুনা কায়দে, মথা তাগল্লু। লাল তৌনবা তৌ, মঙ্গল ওইসনু ॥৯৫॥ ধৃতরাষ্ট্রনা হায়ঃ—অঙ্গ তরুক্তা লোয়নননা বেদ পুম্বা তম্‌হুনা হৈত্রবা, পূকচেল চাউয়বা, ঈকায়বা খঙবা, ধনুর্ব্বেদগী মূর্ত্তি ওইহুনা লৈরম্বা, মহাক্না তম্বিবা বিদ্যানা অকনবা কয়া কয়ানা লালকম্ অসিদা অঙকপা থবক্ তৌরিবা, মহার্থনা পোক্‌পা দ্রোণবু, পূক্‌চেল্ কত্রবা, তম্‌থিরবা গুরুহাৎপা, মহাপাপী ধৃষ্টদ্যুম্ননা খ্বাইগী মাঙদা শিত্রবা দ্রোণবু নিন্দা তৌরকপা মতম্‌সিদা অত্তাবা ক্ষত্রিয় অকন্‌বশিং অদু করিমত্তা শাউদ্রা? করিসু তৌদ্রা? ঐনা অদুগুম্বা ক্ষত্রিয়শিংবু চামরক্ ধিকার তৌরি ॥৯৬-৯৯॥ করে, অদুমত্তায়রে সঞ্জয়! পাণ্ডবশিংনা, নিংথৌশিংনা

সঞ্জয় উবাচ।

শ্রুত্বা দ্রুপদপুত্রস্য তা বাচঃ ক্রূর কর্ম্মণঃ। তূষ্ণীং বভূবু রাজানঃ সর্ব্ব এব বিশাংপতে। ।১০১।
অর্জ্জুনস্তু কটাক্ষেণ জিহ্মং বিপ্রেক্ষ্য পার্ষতম্। সবাষ্পমতিনিশ্বস্য ধিগ্ ধিগিত্যেব চাব্রবীৎ।১০২।
যুধিষ্ঠিরশ্চ ভীমশ্চ যমৌ কৃষ্ণস্তথাপরে। আসন্ সুব্রীড়িতা রাজন্! সাত্যকিস্ত্বব্রবীদিদম্।১০৩।
নেহাস্তি পুরুষঃ কশ্চিদ্য ইমং পাপপুরুষম্। ভাষমাণমকল্যাণং শীঘ্রং হন্যান্নরাধমম্।১০৪।
এতে ত্বাং পাণ্ডবাঃ সর্ব্বে কুৎসয়ন্তি বিকুৎসয়া। কর্ম্মণানেন পাপেন শ্বপাকং ব্রাহ্মণা ইব ।১০৫।
এতৎ কৃত্বা মহৎ পাপং নিন্দিতং সর্বসাধুভিঃ। ন লজ্জসে কথং বক্তুং সমিতিং প্রাপ্য শোভনাম্ ।১০৬।
কথঞ্চ শতধা জিহ্বা ন তে মূর্দ্ধা চ দীর্য্যতে। গুরুমাক্রোশতঃ ক্ষুদ্র! ন চাধর্ম্মেণ পাত্যসে ।১০৭।
যাচ্যস্ত্বমসি পার্থৈশ্চ সর্ব্বৈশ্চান্ধকবৃষ্ণিভিঃ। যৎ কর্ম্ম কলুষং কৃত্বা শ্লাঘসে জনসংসদি ।১০৮।
অকার্য্যং তাদৃশং কৃত্বা পুনরেব গুরুং ক্ষিপন্। বধ্যস্ত্বং ন ত্বয়ার্থোঽস্তি মুহূর্ত্তমপি জীবতা ।১০৯।

অদুগা ক্ষত্রিয়গী অকনবশিংনা ধৃষ্টদ্যুম্নগী রাক্ষ তাবদা কার কায় তৌখি, মাঙ্‌ লীয় ॥১০০॥ সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ! দ্রুপদগী মচা হিংসা তৌরবা ধৃষ্টদ্যুম্ননা অসুম্না হায়রকপা মতমসিদা মী পুম্বা ভূমিন্‌ লৈনখি। কনানস্যু রা মচেৎ অমত ঙাঙ্‌নখিদে॥১০১॥ অদুগা অর্জ্জুনতদি ধৃষ্টদ্যুম্নয়োম্‌দা খানা য়েংলগা মমীত্তগী মপি শিঙ্খদুনা, মুংশামপী হোম্বুনা—"আঃ! তোল্লিদা" হায়না হন্ন হন্না শোনখি॥১০২॥ মহারাজ! মতম্ অসিদা যুধিষ্ঠির, ভীম, নকুল, সহদেব, কৃষ্ণ অদুগা অতৈ অতৈ নিংথৌ-লাম্মী পুম্নমক্ রামচেৎ অমত ঙাঙদনা ঈকায়দুনা লুকথদুনা লৈনখি। মতম্ অসিদা সাত্যকিনা রা ঙাঙখি॥১০৩॥ "অমঙ্গলগী রা ঙাঙবা, নরাধম ওইরবা পাপী অসিবু হাৎপিনবা, মকম্ অসিদা কনা অমত্তা য়াওদ্রমাল্লে!" ॥১০৪॥ ব্রাহ্মণশিংনা বর্ণসঙ্কর অমদি জাতি বিজাতি খঙদনা চায়োল্ মৌয়োম্নবশিংবু নিন্দা তৌবদুগুম্না পাণ্ডবশিংসিনা নহাকপু থম্মোয় শোন্না নিন্দা তৌরি॥১০৫॥ জগৎকী মী পুম্বনা নিন্দা তৌননীঙঙায় ওইরবা পাপকী থবক্ অমবু নংনা তৌরগা, সভাময়ায় অসিদা নরায় হাইগদ্ধুনা রা ঙাঙবসু ইকাইথিবা কয়িগীনো? ॥১০৬॥ মী মচা! তোল্লবা! নংনা নোংগাগ্রবা গুরুবসু নিন্দা তৌরি-চৈরি! গুরুবু নিন্দা তৌরিবা নংগী নয়েগা লল্লাই লেন্দুগা অনীদু গৌজক কাওবা মচেৎ-মতৎ চামথোক্লা ভত্রিবা-কায়ত্রিবা কয়িগীনো? পাপকী থবক্ অসি শোক্রবগী মহৈনা নং নরক্ তায়োই হায়না খল্লিব্রা? ॥১০৭॥ মহাপাপকী থবক্ অদু তৌরগা নহাক সভা অসিদা নশাদুসু থাগৎপ শাখি! নং পাণ্ডবশিংগী, বৃষ্ণি-অন্ধকশাগৈগী অকনবশিং অসিগী মমাঙদা চামরক্ নিন্দা তৌননীঙঙায়গী মশক্ ওইরবনি হৈঃ! ॥১০৮॥ তৌহৈদবা থবক্ অমসু তৌরগা গুরুবসু অমুক্ নিন্দা তৌরি! হৌজিক্ নং সংসারদা হৌজিক্তগী মীকুপ্ অমা কাও চোঙ্গদনা হিংদুনা লৈবদা মতিক্ চাদ্রবনি! ॥১০৯॥

কস্মেত্তদ্ব্যবসেদার্য্যস্ত্বদন্যঃ পুরুষাধম ।।
নিগৃহ্য কেশেষু বধং গুরোর্ধর্ম্মাত্মনঃ সতঃ ॥১১০॥
সপ্তাবরে তথা পূর্ব্বে বান্ধবাস্তে নিমজ্জিতাঃ।
যশাস চ পরিত্যক্তাস্তাং প্রাপ্য কুলপাংসন ! ॥১১১॥
উক্তবাংশ্চাপি যৎ পার্থং ভীষ্মং প্রতি নরর্ষভম্ ।
তথান্তো বিহিতস্তেন স্বয়মেব মহাত্মনা ॥১১২॥
তস্যাপি তব সোদর্য্যো নিহন্তা পাপকৃত্তমঃ ।
নান্যঃ পাঞ্চালপুত্রেভ্যো বিদ্যতে ভুবি পাপকৃৎ ॥১১৩॥
স চাপি সৃষ্টঃ পিত্রা তে ভীষ্মস্যান্তকরঃ কিল।
শিখণ্ডী রক্ষিতস্তেন স চ মৃত্যুর্মহাত্মনঃ ॥১১৪॥
পাঞ্চালাশ্চলিতা ধর্ম্মাৎ ক্ষুদ্রা মিত্রগুরুদ্রুহঃ।
ত্বাং প্রাপ্য সহসোদর্য্যং ধিক্কৃতং সর্ব্বসাধুভিঃ ॥১১৫॥
পুনশ্চেদীদৃশীং বাচং মৎসমীপে বদিষ্যসি।
শিরস্তে পোথয়িষ্যামি গদয়া বজ্রকল্পয়া ॥১১৬॥
ত্বাঞ্চ ব্রহ্মহণং দৃষ্ট্বা জনঃ সূর্য্যমবেক্ষতে।
ব্রহ্মহত্যা হি তে পাপং প্রায়শ্চিত্তার্থমাত্মনঃ ॥১১৭॥
পাঞ্চালক ! সুদুর্বৃত্ত ! মমৈব গুরুমগ্রতঃ।
গুরোগুরুঞ্চ ভূয়োঽপি ক্ষিপন্ নৈব হি লজ্জসে ॥১১৮॥
তিষ্ঠ তিষ্ঠ সহস্বৈকং গদাপাতমিমং মম।
তব চাপ সহিষ্যেঽহং গদাপাতাননেকশঃ ॥১১৯॥
সাত্বতেনৈবমাক্ষিপ্তঃ পার্ষতঃ পরুষাক্ষরম্।
সংরব্ধঃ সাত্যকিং প্রাহ সংক্রুদ্ধঃ প্রহসন্নিব ॥১২০॥

তোল্লবা ! জগৎ অসিদা নং নত্তনা অসিগুম্বা মহাপাপকী থবক্ অসি কনানা তৌবিনি ? ধর্ম্মচেল্লবা সংকর্ম্মতদ লৈগ্রবা গুরুদেবতুগী মশম পায়দুনা নহাক্না মঙক্ কব্‌গ্রবা ! ॥১১০॥ শাগৈগী মৈত্তাল অশিবা ! শাগৈগী মমাথদা মায়হিং কাহনবা ! নং পোকপদগী হৌখিবা পুরোল তরেৎ, লাকদবা পুরোল্ তরেৎপু নরক্ তাহল্লে ! মখোয়হ্র নং পোক্লম্বদগী লৈখা তারেকো ! নথন্ত নত্তনা মখোয় কাওবা মিংচৎ থীবা কংলে ॥১১১॥ অর্জ্জুননা ভীষ্মবু হাংখিবত্রবুস্থ নংনা পনবা শাবি, তাস্তো, ভীষ্মদেবদি থরাই থাননবা উপায়ত্ত মশামক্না তাক্পিবম্বনি ॥১১২॥ অমুক করি হেন্ন হায়নীওভায় লৈ ? ভীষ্মদেবনা তুখিবত্রস্থ নংগা পোকমিন্নবা শিখণ্ডীগী মখুত্তনি ! অহুনা দ্রুপদগী মচাশিংগা মান্ননা পাপী ওইবা জগত্ত কনাস্থ য়াওদে ॥১১৩॥ শিখণ্ডী হায়বা নংগ পোক্‌মিন্নবস্থ ভীষ্ম হাৎননবগীদমক্ত নংবু পোকপা দ্রুপদনা মাগী ঈদগী পোক্‌হনখিবনি। ভীষ্ম'দ শিখণ্ডীবু হাৎপাখদননি। অহুনা মপান্দা শিখণ্ডীনা ভীষ্মগী মৃত্যুগী কারন অম ওইজখিবত্তনি ॥১১৪॥ পাঞ্চাল মথৈ তোল্লবা, পাপকী থবক্ তৌবা, গুরু হিংসা তৌবমক্তনি। অহুনা ধৃষ্টদ্যুম্ন ! নচীমনাওশিংগা লোয়ননা নহাকপু সাধু মহাত্মাশিংনা হুম হুম্না নিন্দা তৌরি ॥১১৫॥ কৈ ! থম ওাওগ্রিবত্ত'দ ওাওজগ্রো, মতুদা অসিগুম্বা রাসি অমুক্ হল্লবদি বজ্রগা মান্নবা গদা অসিনা নকোক্ চামথোক্না থুগাইগনি ॥১১৬॥ হৈঃ ! পাপী ! নহাক্তি ব্রহ্মহত্যাগী পাপ পুমবনি । নংগুম্বা ব্রাহ্মণ হাৎপা মীগী মশক্ উয়গা প্রায়শ্চিত তৌননবগী নোংওাম্নকপদা সূর্য্যদর্শন তৌনরিবনি ॥১১৭॥ হৈঃ ! কত্রবা তোল্লবা পাঞ্চাল ! নংনা ঐমক্তী মাঙদা ঐগী গুরুগী অহুগা গুরুসিগী গুরু দ্রোণাচার্য্যগী নিন্দাস্থ হলেংদনা তৌবা শারি। অহুগা ঈকায়বস্থ থওজি ॥১১৮॥ "নং লৈরু, খাওও ! ঐগী গদাগী শাফু অসি নং খাওও, নংগী শাফুস্থ ঐনা খাওগনি" ॥১১৯॥ সাত্যকিনা

ধৃষ্টদ্যুম্ন উবাচ ।

ক্ষময়তে ক্ষময়তে চেতি ক্ষমাতে চেতি মাধব! । সর্বাহনার্য্যোঽচ্যুতঃ সাধুঃ পুরুষঃ ক্ষেপ্তুমিচ্ছতি ॥১২১॥
ক্ষমা প্রশস্যতে লোকে ন তু পাপোঽর্হতি ক্ষমাম্ । ক্ষমাবন্তং হি পাপাত্মা জিতোঽয়মিতি মন্যতে ॥১২২॥
স ত্বং ক্ষুদ্রসমাচারো নীচাত্মা পাপনিশ্চয়ঃ । আকেশাগ্রান্নখাগ্রাচ্চ বক্তব্যো বক্তুমিচ্ছসি ॥১২৩॥
যৎ স ভূরিশ্রবাশ্ছিন্নভুজঃ প্রায়গতস্ত্বয়া । বার্য্যমাণেন নিহতস্ততঃ পাপতরং নু কিম্ ॥১২৪॥
ব্যূহমানো ময়া দ্রোণো দিব্যেনাস্ত্রেণ সংযুগে । বিসৃষ্টশস্ত্রো নিহতঃ কিং তত্র ক্রূর! দুষ্কৃতম্ ॥১২৫॥
অযুধ্যমানং যস্ত্বাজৌ তথা প্রায়গতং মুনিম্ । ছিন্নবাহুং পরৈর্হন্যাৎ সাত্যকে! স কথং বদেৎ ॥১২৬॥
নিহত্য ত্বাং যদা ভূমৌ স বিকর্ষতি বীর্য্যবান্ । কিং তদা ন নিহংস্যেনং ভূত্বা পুরুষসত্তমঃ ॥১২৭॥

অশুম্না য়াম্ন শাউনা হায়রক্পাসদা খোইদোক্ত শাউরবা ধৃষ্টদ্যুম্ননা করেম্ননা নোক্না সাত্যকিদা কৰি হায়রক্পগে হায়ৰবুঃ—॥১২০॥ মধুবংশদা পোকপা সাত্যকি! নংনা ঙাওবা পুৰা লোইনা তারে। নংবু ঐনা ঙাকহ্ন ঙাকাপিরবনি। ঙ ঙখোরক্পদা অনঙ্গশ ওইবা ৰাবু হায়ডবা অনঙ্কানা সজ্জনাশিংবু নিন্দা তৌবা হৌনশানি। ঙাকাপকম খোকই ॥১২১॥ লোকসমাজদদি "মীগী মরানবু ঙাকাপবা" হায়বসিবু প্রশংসা তৌনৈ। অদুগা নংগুম্বা পাপী মূর্খগী মকমদদি অসিগুম্বা ধর্ম্ম স তৌবদা মতীক চাদে। মরমদি পাপী ওইবা মীশকী অরানববু ঙাকপিরবাদি অহোয়নহন্ম্ মাবু ঙাকপিরিবহুবু মহাক্না জয় তৌরে-ঙমন্দে হায়নঙম্ খন্দোকখি ॥১২২॥ হে: সাত্যকি! নং তোল্লবা মীনি। নংগী আত্মাসে কত্রবা তোল্লবা হকচাংসদা চঙঙক্লবনি। নংদি খাঙ্গৈশেংবা পাপীত পাপী হায়বহুনি। নংদি নংগী লরাইলেক্ফুগী শম্দোন্দগী নখোঙগী খুজীন, তোন্কাওবা পাপতনা পুময়োম্ য়োম্লবনি। অদুগুম্বা নংনহ্ন ঐগুম্ববু নিন্দা তৌবশানি ॥১২৩॥ অদুৈঙ অর্জ্জুননা ভূরিশ্রবাগী মপাম্বোম্ ককখিবা মতমদুদা ভূরিশ্রবা অদু য়থমথক্না ধ্যান তোল্লুনা লৈরবনি। নংনা মাবু হাৎকে হায়ডুনা চেলশিল্লকপা মতমদুদা মায়কৈ অকোয়বদগী মী পুম্নমক্না নহাকপু খাম্খিবা নত্রা? মতম্ অদুদা ময়াম্না নংবু খাম-খাম নংনা ভূরিশ্রবাগী মঙক ককাখবনি। অদুদগী হেন্বা পাপকী থবক অম কৰি লৈ? ॥১২৪॥ হে: অপংবা! তমখিবা! দ্রোণ হায়বহুদি য়থমথক্না যোগী শাঙুনা ধ্যান তৌশিন্নহুনা লৈরবহ্ন মপুক্নীংদদি ঐবু করম্ন অস্ত্রতোগনগে হায়বহাদি অহুম্মক্ খন্দুনা লৈখিবনি। তাক্লা অদুদা ঐনা মাবু হাৎপানে। খুংলায় থাদোক্লগা কেদৌনি? লালকম্না ঙহাক্ যোগী শাশিন্নগা করম্ হিংগনি? মাবু হাৎপদা ঐনা কৰি অপনবা থবক তৌখ্রে? ॥১২৫॥ সাত্যকি! ভূরিশ্রবাদি লাল্ তৌখিদ্রবনি। ভূমিদা ধ্যান তৌদুনা লৈরম্লবনি। অতোম্না মী-শক অমনা মাগী পাম্বোমহ্ন ককথৎপিরবনি। অবস্থাদুদা মাবু হাৎপদা হায়োংখিদবা নংগুম্বা অমনা মী অমবু নিন্দা তৌবা য়াবরা? ॥১২৬॥ কন্নবা ভূরিশ্রবাহুনা নংবু মথোঙপাক্না কাওহুনা নশম্ লাকুনা চিংখিবনি। নমায় পান্দবা নংদি মতম অদুদা মাবু কৈদৌনা হাৎহোদে ॥১২৭

ত্বয়া পুনরনার্য্যেণ পূর্ব্বং পার্থেন নির্জ্জিতঃ। যদা তদা হতঃ শূরঃ সৌমদত্তিঃ প্রতাপবান্ ॥১২৮॥
যত্র যত্র তু পাণ্ডূনাং দ্রোণো দ্রাবয়তে চমূম্। কিরন্ শরসহস্রাণি তত্র তত্র প্রয়াম্যহম্ ॥১২৯॥
স ত্বমেবংবিধং কৃত্বা কর্ম্ম চাণ্ডালবৎ স্বয়ম্। বক্তুমিচ্ছসি বক্তব্যঃ কস্মাদ্মাং পরুষাণ্যথ ॥১৩০॥
কর্ত্তা ত্বং কর্ম্মণো যস্য নাহং বৃষ্ণিকুলাধম।। পাপানাঞ্চ ত্বমাবাসঃ কর্ম্মণাং মা পুনর্ব্বদীঃ ॥১৩১॥
যোঽয়মাস্থ ন মাং ভূয়ো বক্তুমর্হস্যতঃ পরম্। অধরোত্তরমেতদ্ধি যন্মাং ত্বং বক্তুমিচ্ছসি ॥১৩২॥
অথ বক্ষ্যসি মাং মৌর্খ্যাদ্ভূয়ঃ পরুষমীদৃশম্। গময়িষ্যামি বাণৈস্ত্বাং যুধি বৈবস্বতক্ষয়ম্ ॥১৩৩॥
ন চৈব মূর্খ! ধর্ম্মেণ কেবলেনৈব শক্যতে। তেষামপি হ্যধর্ম্মেণ চেষ্টিতং শৃণু যাদৃশম্ ॥১৩৪॥
বঞ্চিতঃ পাণ্ডবঃ পূর্ব্বমধর্ম্মেণ যুধিষ্ঠিরঃ। দ্রৌপদী চ পরিক্লিষ্টা তথাধর্ম্মেণ সাত্যকে! ॥১৩৫॥
প্রব্রাজিতা বনং সর্ব্বে পাণ্ডবাঃ সহ কৃষ্ণয়া। সর্ব্বস্বমপকৃষ্টঞ্চ তথাঽধর্ম্মেণ বালিশ! ॥১৩৬॥
অধর্ম্মেণাপকৃষ্টশ্চ মদ্ররাজঃ পরৈরিতঃ। অধর্ম্মেণ তথা বালঃ সৌভদ্রো বিনিপাতিতঃ ॥১৩৭॥
ইতোঽপ্যধর্ম্মেণ হতো ভীষ্মঃ পরপুরঞ্জয়ঃ। ভূরিশ্রবা হ্যধর্ম্মেণ ত্বয়া ধর্ম্মবিদা হতঃ ॥১৩৮॥

নংদি ঈকায়বা নাইদবা কত্রবনি। অর্জ্জুননা মপাম্বোম্ ককৃথৎপখিহুনা অশিবগী পাংথক্ ওইরবা মহাকপু নংনা কন্‌বহৈবা শারতনা মঙক্ ককপিখি ॥১২৮॥ অদুগা ঐদ দ্রোণ চায়বগনা পাণ্ডব-শিংবু নৈরক্নৈরকপা মকমদুদা তেল লিশিং লিশিং কাপ্‌শিন্‌বনি ॥১২৯॥ অদুগা নংদি চণ্ডাল অমনা তৌগদববু তৌহুনা মীপুম্বগী মকম্‌দা নিন্দা তৌননীঙায় ওইরগা করগী ঐবু নিন্দা তৌরি? ॥১৩০॥

বৃষ্ণি শাগৈদা পোক্‌পা, তোল্লবা! মহাপাপকী থবক্ তৌবদি মহাক্নি। ঐনত্তে। নংদ পাপকী থবক পুম্বগী ভুংনকম্ ওইরবনি। অদুনা নং অমুক ঐঙোন্দা আসদগী হেন্না নিন্দা তৌরগনু ॥১৩১॥ সাত্যকি! নংকরিমত ঙাঙদনা তুমিন লৈজো। নং ঐঙোন্দ অমুক ঙাঙবা য়ারোই। মরমদি নংনা অমুক ঐঙোন্দা ঙাঙ্গে-হংগে হায়না খল্লিবদো, মাহুগী পাউথুম্ য়াম্না ভুকচবা ওম্থিবা মওংদা কংজগনি ॥১৩২॥ নপঙপঙবদগী, শিববু কিদহুনা অস্তুম নংনা ঐঙোন্দ য়া ঙাঙ-লবদি ঐনা নংবু হৌজিক যমালয় য়ৌহনগনি ॥১৩৩॥ মূর্খ! সংসারদা ঙাঙবা ঙাক্কনা হৈবা-কনবা ওইদবনি—খঙজু। ঙস্মোইদৌবা থবক্তা পণ্ডাণ্ডবশিং অদুগীসু অধর্ম্ম ওইবা থবক তৌবগী মহৈ কংঙি—মাহু তাজো ॥১৩৪॥ সাত্যকি! অহানবা কৌরবাশিংনা চৌবরদা অধর্ম্ম থবক তৌগুনা পাণ্ডবনন্দন যুধিষ্ঠিরবু নম্থাক তৌখি। মখোয়না অধর্ম্মগী থবক কয়া কয়া তৌহুনা দ্রৌপতীদা অরাবা পীখি ॥১৩৫॥ হে: মূর্খ! কৌরবশিংনা পাপকী অদুগা অধর্ম্মগী—থবক কয় কয়া তৌহুনা পাণ্ডবশিংবু—বনদা থাখি। অধর্ম্মতনা পাম্বে ওইহুনা মখোয়না পাণ্ডবশিংগী লৈপাক-সিংহাসন- লম্‌মুম্ পুম্বা মুলহৌরবনি ॥১৩৬॥ য়েরুব কৌরব শিংনা অধর্ম্ম তৌহুনা মদ্ররাজ শল্যবু ঐখোয়গীমদগী মখোইদা য়াওহনখি। মখোয়না অধর্ম্ম তৌহুনা অভিমন্যু হাৎখি ॥১৩৭॥ অসিদগী হেন্না ওস্থোক্না থীনা অধর্ম্ম ওইবা থবক্তা অকনবা ভীষ্মবু লান্দা ভুহনখি। নংনা ধর্ম্ম খঙবা শারজুনা অধর্ম্মগী মরুমদা থুগ্‌না ভূরিশ্রবাবু হাৎখি ॥১৩৮॥

এবং পরৈরাচরিতং পাণ্ডবৈশ্চ সংযুগে। রক্ষমাণৈর্জয়ং বীরৈর্ধর্ম্মজ্ঞৈরপি সাত্বত ॥১৩৯॥
দুর্জ্ঞেয়ঃ পরমো ধর্ম্মস্তথাঽধর্ম্মশ্চ দুর্বিদঃ। যুধ্যস্ব কৌরবৈঃ সার্দ্ধং মা গাঃ পিতৃনিবেশনম্ ॥১৪০॥

সঞ্জয় উবাচ।

এবমাদীনি বাক্যানি ক্রূরাণি পরুষাণি চ। শ্রাবিতঃ সাত্যকিঃ শ্রীমানাকম্পিত ইবাভবৎ ॥১৪১॥
তচ্ছ্রুত্বা ক্রোধতাম্রাক্ষঃ সাত্যকিস্ত্বাদদে গদাম্। বিনিশ্বস্য যথা সর্পঃ প্রণিধায় রথে ধনুঃ ॥১৪২॥
ততোঽভিপত্য পাঞ্চাল্যং সংরম্ভেণেদমব্রবীৎ। ন ত্বাং বক্ষ্যামি পরুষং হনিষ্যে ত্বাং বধক্ষমম্ ॥১৪৩॥
তমাপতন্তং সহসা মহাবলমমর্ষিণম্। পাঞ্চাল্যায়াভিসংক্রুদ্ধমন্তকায়ান্তকোপমম্ ॥১৪৪॥
চোদিতো বাসুদেবেন ভীমসেনো মহাবলঃ। অবপ্লুত্য রথাত্তূর্ণং বাহুভ্যাং সমবারয়ৎ ॥১৪৫॥

(যুগ্মকম্)

দ্রবমাণস্তথা ক্রুদ্ধঃ সাত্যকিঃ পাণ্ডবং বলী। প্রস্কন্দমানমাদায় জগাম বলিনঃ বলাৎ ॥১৪৬॥
স্থিত্বা বিষ্টভ্য চরণৌ ভীমেন শিনিপুঙ্গবঃ। নিগৃহীতঃ পদে ষষ্ঠে বলেন বলিনাং বরঃ ॥১৪৭॥
অবরুহ্য রথাত্তূর্ণং ধ্রিয়মাণং বলীয়সা। উবাচ শ্লক্ষ্ণয়া বাচা সহদেবো বিশাংপতে ॥১৪৮॥

সাত্যকি! নং কারমত ভাব তাদ্রি—কৌরবপাণ্ডব পক্ষ অনীনা ধর্ম্ম খণ্ডদে—অধর্ম্ম খণ্ডদে মাগী মাগী য়েক্লবব্র ওম্লনবা হোৎনদ্রুনা ওসিকাওবা লাল অসি শোকনরকলি ॥১৩৯॥ অদুনা ধর্ম্ম করিনো, অধর্ম্মনা করিনো হায়বগ্র পাক হে খঙভমদবনি। অদুনা—কৌরবশিংগা শোকনৌ, স্বর্গ কাজৌ। পিতৃলোকত চচ্চখিগনু ॥১৪০॥

সঞ্জয়না হায়:— মতৌ অসুম্না ধৃষ্টদ্যুম্ননা অমোৎপা রাহৈনা হ য়রকপা মতমসিদা অকনবগী গুণ-লক্ষণ পূম্বনা তিল্লবা সাত্যকি অসি শাউবনা মশাদু থক্ থক্ নীকই ॥১৪১॥ সাত্যকিনা ধৃষ্টদ্যুম্নগী মচীন্দগী রাশিং অসি তাবদা শাউবন মমীত্ত ঈ কাদুন শীরু ত্বেগ খাদোকতুনা থুনা য়াংনা গদা পায়খৎখি ॥১৪২॥ অদুদগী তুংদা সাত্যকিনা মাগী রথদগী চোংথদুনা "ঐ নঙোন্দা রা অমুক ওাঙলরোই। নবু ওসি যমালয় চক্ক য়হনথ্রগা লোইরে।" অস হায়ন হাবনা ধৃষ্টদ্যুম্ন তয়া ফুজল্লকই ॥১৪৩॥ কল্লবা, মথৌনা লৈরবা, মীনা লকচবা য়াদবা অশাউবনা লুতোল কাপ্রবা যমরাজগী মতৌগুম্বা সাত্যকিনা গদা পায়দুনা চেলশিল্লকপদু উবদা কৃষ্ণগী ঈজিন্তগী ভীমসেননা রথদগী চোংথদুনা হোচ্চল্লকদুনা মপাম্বোম অনীন কান্দুনা সাত্যকিবু কাদুনা থামখি ॥১৪৪-১৪৫॥ কল্লবা ভীমনা খায়বদুক্কাওবদা কল্লবা সাত্যকিনা ভীমবু চেন্দুনা কনা য়াম্না ধৃষ্টদ্যুম্ন য়োমদা চঙশিনখি ॥১৪৬॥ মতম অদুদা ভীমসেননা পাজল থেক্লা মাগী খোঙ অনীনা সাত্যকিগী খোঙ অনীদা লৌশিন্দুনা সাত্যকিনা তককগুবা খোজাপ অম থাংজিল্লমদাই তুরাইদা ভীমনা কয় কাজিন্দুনা অমুক চঙশিনবা য়াহনখিজে ॥১৪৭॥ মহারাজ!

অস্মাকং পুরুষব্যাঘ্র ! মিত্রমত্র বিদ্যতে। পরমক্রুদ্ধিতঃ পাঞ্চালেভ্যশ্চ মাধব ! ॥১৪৯॥
তথৈবান্ধকবৃষ্ণীনাং তথৈব চ বিশেষতঃ। কৃষ্ণস্য চ তথাস্মাকং মিত্রমত্র বিদ্যতে ॥১৫০॥
পাঞ্চালানাঞ্চ বার্ষ্ণেয় ! সমুদ্রান্তং বিচিন্বতাম্। নাস্ত্যন্যৎ পরং মিত্রং যথা পাণ্ডবসৃঞ্জয়াঃ ॥১৫১॥
স ভবানীদৃশং মিত্রমস্মৈব চ তথা তব। ভবন্তশ্চ তথাস্মাকং ভবতাঞ্চ তথা বয়ম্ ॥১৫২॥
স এবং সর্ব্বধর্ম্মজ্ঞ মিত্রধর্ম্মমনুস্মরন্। নিয়চ্ছ মন্যুং পাঞ্চাল্যাৎ প্রশাম্য শিনিপুঙ্গব ! ॥১৫৩
পার্ষতস্য ক্ষম ত্বং বৈ ক্ষমতাং পার্ষতশ্চ তে। বয়ং ক্ষময়িতারশ্চ কিমন্যত্র শমাদ্ভবেৎ ॥১৫৪॥
প্রশাম্যমানে শৈনেয়ে সহদেবেন মারিষ ! । পাঞ্চালরাজস্য সুতঃ প্রহসন্নিদমব্রবীৎ ॥১৫৫॥
মুঞ্চ মুঞ্চ শিনেঃ পৌত্রং ভীম ! যুদ্ধমদান্বিতম্। আসাদয়তু মামেষ ধরাধরমিবানিলঃ ॥১৫৬॥
যাবদস্য শিতৈর্ব্বাণৈঃ সংরম্ভং বিনয়াম্যহম্। যুদ্ধশ্রদ্ধাঞ্চ কৌন্তেয় ! জীবিতঞ্চাস্য সংযুগে ॥১৫৭॥
কিং নু শক্যং ময়া কর্ত্তুং কার্য্যং যদিদমুদ্যতম্। সুমহৎ পাণ্ডুপুত্রাণামায়ান্ত্যেব হি কৌরবাঃ ॥১৫৮॥

মতৌ অস্তুরা ভীমসেননা সাত্যকিবু কাজিন্দনা থমলিঙৈসিদা সহদেবনা মাগী রথদগী চোংথবকতুনা চেলশিন্নকতুনা নীঙথিজবা অথোংপা অওপ্পা রাহৈনা সাত্যাকিদা অশুম্না হায়খি :— ॥১৪৮॥ নিপা অথোইবা, সাত্যকি ! ঐখোয়গী সহায় উপায় ওইবিরিবা মরূপ তায়রবু মতম অসিদা অন্ধক, কৃষ্ণ, পাঞ্চালশিং নত্তুনা কনা অমত লৈজদে ॥১৪৯॥ বৃষ্ণিশাগৈগী কেয়্নকম ওইরবা। অসিদগী সমুদ্রকাণ্ডগী মরুংদা লৈরিবা লমদম অসিগী মরুংদা পাঞ্চালশিংগীসু ঐখোয় পাণ্ডবশিং লৈরিবা অদুগা বৃষ্ণিশাগৈগী লৈবিবশিং অসি নত্তুনা মখোয়গী মরূপ কনা অমত লৈত্রবনি ॥১৫১॥ মরম অদুনা অকনবা নহাক্না ধৃষ্টদ্যুম্নগী মরূপ ওইরিবসিগুম্ম ধৃষ্টদ্যুম্নসু অকনবা নহাক্কী মরূপনি। অকনবা নথোংনা ঐখোয়গী কননবত্ত থনবিবা মরূপ ওইবিরিবসিগুম্মা ঐখোয়সু নখোয়গী মরূপ ওইদুনা লৈজরি ॥১৫২॥ ধর্ম্ম পুম্বা খঙলবা, শিনিবংশগী অথোইবা ! অকনবা। অসিগুম্বা মিত্রধর্ম্মবু নীশিংবিদুনা ধৃষ্টদ্যুম্নগী মথক্তা শাউরিবত্ত তোকপিরে, তপথবিয়ু ॥১৫৩॥ অকনবা নহাক্না ধৃষ্টদ্যুম্নবু ওাকপিয়ু। অদুগা অকনব ধৃষ্টদ্যুম্নসু সাত্যকি নঙাকপু ওাকপিসনু। অদুগা ঐখোয়গী দি অনীংকা মকাদা বরিমত শাউবা মুংঙাইতবা লৈজরে। অনীনা তৌবিথ্রিবপুম্বা ঐখোয়সু ওাকচরবনি। অমুক্তা শান্তি ওইবিয়ু, শান্তিদগী কান্ন অমাওবা লৈগনি" ॥১৫৪॥ সহদেবনা অসুম্না নীঙথিবা, অশিংবা রাহৈনা থামজিল্লবদা ধৃষ্টদ্যুম্ননা নোক্না নোক্না অসুম্না হায়রবই ॥১৫৫॥ ভীমসেন ! কৈদৌনা সাত্যকিত্তবু কাজিন্দুনা থাম্ন ? পাদাকউ মাথু ! মুংশিংনা চীঙমায়দা হাইজিনজয়কপগুম মহাকত্তু ঐঙোন্দা হাইজিল্লরকসনু ॥১৫৬॥ ভীমসেন ! থৌরবা ঙেম্না মহাক্কী অশাউবা, নাপল, অদুগা কাল পাম্বগী আশা পুম্বগা লোতননা মপুর্ন্নশিবু লোইথোকপিগে ॥১৫৭॥ অসুক কুইরবসি পাণ্ডবশিংগী দমক্তা অরুকরুনা

অথবা কাত্তনঃ সর্ব্বান্ বারয়িষ্যতি সংযুগে। অহমপ্যস্য মূর্দ্ধানং পাতয়িষ্যামি সায়কৈঃ ॥১৫৯॥
মন্যতে ছিন্নবাহুং মাং ভূরিশ্রবসমাহবে। উৎসৃজৈনমহং সৈনমেষ বা হনিষ্যতি ॥১৬০॥
শৃণ্বন্ পাঞ্চালবাক্যানি সাত্যকিঃ সর্পবচ্ছ্বসন্। ভীমবাহ্বন্তরে সক্তো বিস্ফুরত্যনিশং বলী ॥১৬১॥
তৌ বৃষাবিব নর্দ্দন্তৌ বলিনৌ বাহুশালিনৌ। ত্বরয়া বাসুদেবশ্চ ধর্ম্মরাজশ্চ মারিষ॥
যত্নেন মহতা বীরৌ বারয়ামাসতুস্ততঃ ॥১৬২॥
নিবার্য্য পরমেষ্বাসৌ কোপসংরক্তলোচনৌ। যুযুৎসবঃ পরান্ সংখ্যে প্রতীয়ুঃ ক্ষত্রিয়র্ষভাঃ ॥১৬৩॥
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং দ্রোণপর্ব্বণি নারায়ণাস্ত্রমোক্ষে
সাত্যকিধৃষ্টদ্যুম্নকলহোপশমনে সপ্তষষ্ট্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥ *

থবক কয়া তৌহুনা লাক্নি। হৌজিকপু মহাক অমবু লোইখোকপদা ঐঙোন্দা থোইদোক্লা অরুবা থবক অমা ওইনা থোকতে। এঃ! অসোমদা কৌরব লাম্মী ময়াম চণ্ডশিল্লকলে ॥১৫৮॥ অর্জুননা মথোয়গা থেংনহন লৈসপু। ঐনা মাগী মগক হৌজিকমক কক্লান ॥১৫৯॥ সাত্যকি হায়বসিনা ঐগুম্বু মপাম্বোম য়াওব্রবা ভূরিশ্রবাগুম থঙ্গ'র মালে। "অহুনা ভীমসেন! মাবু খাদোকউনে! মানা ঐবু ওম্নবম্ব হাৎপ্রসপু, নত্রগা ঐনা ওসি মাবু গাংকে ॥১৬০॥ ভীমসেননা কোনশিন্দুনা থম্নবা সাত্যকিনা ধৃষ্টদ্যুম্নগী য়াওাং অহু তাবদা মহু পুরবা লিলগুম্না মুংশা মপী ফুইনা ফুইনা হোন্দুনা মশা পুম্বা থক থক নীকপা হৌরকলে ॥১৬১॥ মহারাজ! কল্লবা, মরিল লৈরবা সাত্যকি ধৃষ্টদ্যুম্ন অনীনা শঙ্গাউ অনীনা তৌবগুম্না ঙংহুনা হোচ্চিন্নগে তৌরকপা মতমাসদা কৃষ্ণ যুধিষ্ঠির অনীনা চণ্ডশিল্লকতুনা অনীবু খাম্মি ॥১৬২॥ অহুগী তুংদা পাণ্ডব পক্ষগী ক্ষত্রিয় লাম্মী অকনবশিংহুনপু অনীবু খামজিন্নরম্মগা য়েক্লবগী লাম্মী মপেয়োমদা ফুঙ্জিন্নখি ॥১৬৩॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা দ্রোণ পর্ব্বদা নারায়ণাস্ত্র মোক্ষগী মনুংদা "সাত্যকি ধৃষ্টদ্যুম্ন কলহোপশমন" গী চাম হুন্দ্ৰ্তরেৎগুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

শ্রীমহাভারতম্

অষ্টষষ্ট্যধিকশততমোঽধ্যায়ঃ

চামচুমফুনিপালগুবা অধ্যায়

(অশ্বত্থামানা নারায়ণাস্ত্র কাপ্পগী মতাং)

সঞ্জয় উবাচ।

ততঃ স কদনং চক্রে রিপূণাং দ্রোণনন্দনঃ। যুগান্তে সর্ব্বভূতানাং কালসৃষ্ট ইবান্তকঃ ॥১॥
ধ্বজদ্রুমং শস্ত্রশৃঙ্গং হতনাগমহাশিলম্। অশ্বকিংপুরুষাকীর্ণং শরাসনলতাবৃতম্ ॥২॥
ক্রব্যাদপক্ষিসংঘুষ্টং ভূতযক্ষগণাকুলম্। নিহত্য শাত্রবান্ ভল্লৈঃ সোঽচিনোদ্দেহপর্ব্বতম্ ॥৩॥
(যুগ্মকম্)

ততো বেগেন মহতা বিনদ্য স নরর্ষভঃ। প্রতিজ্ঞাং শ্রাবয়ামাস পুনরেবা তবাত্মজম্ ॥৪॥
যস্মাদ্যুধ্যন্তমাচার্য্যং ধর্ম্মকঞ্চুকমাস্থিতঃ। মুঞ্চ শস্ত্রমিতি প্রাহ কুন্তীপুত্রো যুধিষ্ঠিরঃ ॥৫॥
তস্মাৎ সংপশ্যতস্তস্য দ্রাবয়িষ্যামি বাহিনীম্। বিদ্রাব্য সর্ব্বান হন্তাস্মি জাল্মং পাঞ্চাল্যমেব তু ॥৬॥
(যুগ্মকম্)

সঞ্জয়না হায় ঃ—মহারাজ! অতদগীদি মতম্না ঈ হুঁপ্রকপ যমরাজনা জীবপুম্বব সংহার তৌরক-পদুগুম্ শাউবনা মৈ হৌরবা অশ্বত্থামানা পাণ্ডবলাম্মী লিশং লশিং নৈথাইবা তৌরকলে ॥১॥ অশ্বত্থামানা মতম অসিদা তা-মাচনশাব তেন্তনা য়েরুবা লাম্মী লিশিং লিশিংবু হাত্তুনা অশিবা হকচাংগী মপৈমপৈনা লালকম্ অত্রদা চীঙদুম অমমম ওই। পেৎপেৎনা। চীদুমশিং অদুগী মথক্তা হৌরিবা উপাম্বী মচামচানা চপচপ য়ুং য়ুংহন লৈরবা করাশ অত্তনা ওইরে। থাঙতানচিংবা মতেকমকায় য়ুংয়ুং লৈরিবতুনা চীঙদুমশিং অদুগী চীঙদোল্ মনামচ ওইর মরামরাদা লৈরিবা ভুরিবা শামুশিং অত্তনা চীঙখোঙদা থিল্লিবা নুদুম নুংপাক অচৌবা অমমম্ ওইর। শগোলশিংবা মরেঙ মরেঙ চত্তুনা তান্নুনা লৈরিবত্তুনা চীঙখোঙহুদ শায় রবা গন্ধর্ব্ব কিন্নরগী মশক্ত। লিকং মপৈমপৈনা খোয়ঙ্গিং খোয়ঙ্গাং য়ুংয়ুংহনা লৈরিবহুনা উবীর গা ওইর। চীঙবকশিং অত্তুনা শাহিংতাহিং চাবা শা-উচেকশিংনা তাউখোংলি। যক্ষশিংগী মশক ওইর ভূতপ্রেত শংনা চীঙবকশিং অত্তুনা চোংচোংহুনা শান্নরি। ॥২—৩॥ মহারাজ! মতম অসিদা অশ্বত্থামানা অমুক চেন শরক্তুনা মচা ইবুংঙো দুর্য্যোধনদা মশাগী হাশক অদু অমুক তাকখি ॥৪॥ "কুন্তীগী মচা যুধিষ্ঠিরনা তৌশিল্লবা ধর্ম্মগী

সর্ব্বানেতান্ হনিষ্যামি যদি যোৎস্যন্তি মাং রণে। সত্যং তে প্রতিজানামি পরিবর্ত্তয় বাহিনীম্ ॥৭॥
ততস্তদা তব পুত্রস্তু বাহিনীং পর্য্যবর্ত্তয়ৎ। সিংহনাদেন মহতা ব্যপোহ্য সুমহদ্ভয়ম্ ॥৮॥
ততঃ সমাগমো রাজন্! কুরুপাণ্ডবসেনয়োঃ। পুনরেবাভবত্তীব্রঃ পূর্ণসাগরয়োরিব ॥৯॥
সংরব্ধা হি স্থিরীভূতা দ্রোণপুত্রেণ কৌরবাঃ। উদগ্রাঃ পাণ্ডুপাঞ্চালা দ্রোণস্য নিধনেন চ ॥১০॥
তেষাং পরমহৃষ্টানাং জয়মাত্মনি পশ্যতাম্। সংরব্ধানাং মহাবেগঃ প্রাদুরাসীদ্বিশাংপতে! ॥১১॥
যথা শিলোচ্চয়ে শৈলঃ সাগরে সাগরো যথা। প্রতিহন্যেত রাজেন্দ্র! তথাসন্ কুরুপাণ্ডবাঃ ॥১২॥
ততঃ শঙ্খসহস্রাণি ভেরীণাময়ুতানি চ। অবাদয়ন্ত সংহৃষ্টাঃ কুরুপাণ্ডবসৈনিকাঃ ॥১৩॥
ততো নির্ম্মথ্যমানস্য সাগরস্যেব নিস্বনঃ। অভবত্তব সৈন্যস্য সুমহানদ্ভুতোপমঃ ॥১৪॥
প্রাদুশ্চক্রে ততো দ্রৌণিরস্ত্রং নারায়ণং তদা। অভিসন্ধায় পাণ্ডূনাং পঞ্চালানাঞ্চ বাহিনীম্ ॥১৫॥
প্রাদুরাসংস্ততো বাণা দীপ্তাগ্রাঃ খে সহস্রশঃ। পাণ্ডবান্ ক্ষপয়িষ্যন্তো দীপ্তাস্যাঃ পন্নগা ইব ॥১৬॥

মরুমদা থৃগু্না ঐগী ঈপা আচার্য্যবু খুৎলায় থাদোকহনখিবদুগীদমক মাগী মমাগুমক্তদা পাণ্ডব তেজোল তুমা নৈথাইগে। অদুগী তুংদা ধৃষ্টদ্যুম্নগী মথ্ৰাই লোগনি"॥৫—৬॥ "মহারাজ! দুর্য্যোধন! ঙসি কনাগুম্বা অমনা ঐগা থেংনগে লাকলবদি, সত্যনা সাখী ওইসনু, শোয়দনা ঐ মাবু হাৎকে। লাম্মী ময়াম্ চঙলক্লবসু ময়ামসু ঐনা শোয়দনা হাৎকনি। কৌরবলাম্মী ময়ামাস হল্লিলহল্লকউ ॥৭॥ মহারাজ! অশ্বত্থামাগী বাসি—তাবদা অকিবা পুম্বা থাদোক্ত্না সিংহনাদ লাউব লাউরদুনা কৌরবলাম্মী পুম্ববু দুর্য্যোধননা অমুক কৌশিম্মুনা হাল্লগহল্লকলে ॥৮॥ মহারাজ! অসিগী তুংদা কৌরবপাণ্ডব লাম্মী মপৈ অনীসি ঈপাক অনী হাইজিন্নবগুম্না হাকথেংনশ্রে ॥৯॥ কৌরবলাম্মীশিং অদু অশ্বত্থামাগী রাশক অদু তাবদগী মপুক্লিং থোগৎখি, মথোনা হাপখি। অদুগা পাণ্ডবলাম্মীশিংনা অদুগা পাঞ্চাল লাম্মীশিংনা দ্রোণ হাৎখিবদুদা থোইনা হরাউখি ॥১০॥ মরম অদুনা লাম্মী তেজোল অনীমক অমনা অমুক ওমগনি হায়বগী আশা অসি কয়তৌনদুনা মপুক্লীং থোগৎনদুনা লালশোক্লনবগী কুম্মিরবা হৌরকলে ॥১১॥ নিংথৌ অথোইবা! মতম্ অসিদা কৌরবপাণ্ডব পক্ষ অনীমক অসিনা তৌনরকপসি চীঙজাও অমগা চীঙজাও অমগা, অদুগা সমুদ্র ঈপাক অমগমগ হাইজিন্নরকপসি মতাংরশ্রে ॥১২॥ মতম্ অসিদা পক্ষঅনীমকী লাম্মীশিংনা পুংশেল লিশিং লিশং, মোইবুং লিশিং লিশিং রৈবৎ থোংগৎনরকলে ॥১৩॥ মহারাজ! মতম্ অসিদা নৈথারকপা সমুদ্রগী ঈরাওখোলগী মখোঙঙা কৌরবপাণ্ডব পক্ষ অনীমকী লাম্মীশিংনা লাউরকপগী খোগ্লেন অদুন অকিবগী মশক কংখি ॥১৪॥ মতম অসিদা অশ্বত্থামানা পাণ্ডবলাম্মীশিং অদুগা পাঞ্চাললাম্মীশিং তম্না নারায়ণাস্ত্র পুখোয়রকলে ॥১৫॥ মতম অসিদা নারায়ণাস্ত্র মন্ত্রগী পাঙ্গৈনা অশ্বত্থামানা পাণ্ডবপক্ষগী লাম্মীশিংবু লোইনা তুম্না হাৎলগে হায়না থম্বুনা নহুপুবা; মচীন্-মকোক শংলবা লিন লিশিংলিশিংগী মখোঙঙরবা মচীন শংলবা; মচীনা নৈরিথোক্না চারুবা তেজলিশিংলিশিং থোংবদোন মকোয়রু

তে দিশঃ খঞ্চ সৈন্যঞ্চ সমাবৃণ্বন্ মহাহবে। মুহূর্ত্তাভাস্করস্যেব লোকে রাজন্! গভস্তয়ঃ ॥১৭॥
তথাপরে দ্যোতমানা জ্যোতীংষীবামলেঽম্বরে। প্রাদুরাসন্ মহারাজ। কার্ষ্ণায়সময়া গুড়াঃ ॥১৮॥
চতুশ্চক্রা দ্বিচক্রাশ্চ শতঘ্ন্যোঽথ হলা গদাঃ। চক্রাণি চ ক্ষুরান্তানি মণ্ডলানীব ভাস্বতঃ ॥১৯॥
শস্ত্রাকৃতিভিরাকীর্ণমতীব ভরতর্ষভ!। দৃষ্ট্বান্তরীক্ষমাবিগ্নাঃ পাণ্ডুপাঞ্চালসৃঞ্জয়াঃ ॥২০॥
যথা যথা হ্যযুধ্যন্ত পাণ্ডবানাং মহারথাঃ। তথা তথা তদস্ত্রং বৈ ব্যবর্দ্ধত জনাধিপ! ॥২১॥
বধ্যমানাস্তদাস্ত্রেণ তেন নারায়ণেন বৈ। দহ্যমানানলেনেব সর্বতোঽভ্যর্দ্দিতা রণে ॥২২॥
যথা হি শিশিরাপায়ে দহেৎ কক্ষং হুতাশনঃ। তথা তদস্ত্রং পাণ্ডূনাং দদাহ ধ্বজিনীং প্রভো! ॥২৩॥
আপূর্য্যমাণেনাস্ত্রেণ সৈন্যে চ ক্ষীয়তি প্রভো!। জগাম পরমং ত্রাসং ধর্ম্মপুত্রো যুধিষ্ঠিরঃ ॥২৪॥
দ্রবমাণন্তু তৎ সৈন্যং দৃষ্ট্বা বিগতচেতনম্। মধ্যস্থতাঞ্চ পার্থস্য ধর্ম্মপুত্রোঽব্রবীদিদম্ ॥২৫॥
ধৃষ্টদ্যুম্ন! পলায়স্ব সহ পাঞ্চালসেনয়া। সাত্যকে! ত্বঞ্চ গচ্ছস্ব বৃষ্ণ্যন্ধকবৃতো গৃহান্ ॥২৬॥
বাসুদেবোঽপি ধর্ম্মাত্মা করিষ্যত্যাত্মনঃ ক্ষমম্। শ্রেয়ো হ্যুপদিশত্যেষ লোকস্য কিমুতাত্মনঃ ॥২৭॥

মশক উহল্লমথৈ পাইথোকৃহন্খি ॥১৬॥ মহারাজ অত্তুগী তুংদা মীকুপ অমগী মনুংদা অমমম্না মুমিৎকী মশেক পূরবা তেল লিশংলিশিং পাইথবক্না তেলশিং অহুনা মারগৈ তারাবু অত্তগা পাণ্ডবতেঙ্গোল মপূম্ অহুবু পূংকুপ কুপখ্রে ॥১৭॥ মহারাজ! অচদগী ঙাহাকলৈরগা ইম্পাতনা শাবা লংলবা য়োতমুগুম্বা গুলী লিশিংলাশংনা নোংমদোম্বকী লংললংলবা থেহ অমমম্বী মতৌগুম্না নোংমদোম্বক্ না পাইথোরকলে ॥১৮॥ অংদগী ঙাহাক লৈরগা চাক মার পানবা, অনী পানবা, তাংগদ, মুমিৎকী মকোয়গুম্বা মম থোরব চক্র কয়া কয়া পাইথোরকখি ॥১৯॥ ভরত শাগৈগী অখোইবা মহারাজ! পাণ্ডব, পাঞ্চাল, সৃঞ্জয়লাম্নীশংনা নোংমদোন মকোয় অহু উচেক্খা খুৎলায়শিং অহুনা কুপথিবহু উবদ থোইদোক্না মপাইনখি ॥২০॥

মহারাজ! পাণ্ডব পক্ষগী লাম্নীশংনা অহুকী মতীক কয়া শোক্লরকলগা নারায়ণাস্ত্রদগী থোরকপা পাইথোরকপ, খুৎলায়সু অহুকী মতীক মশীং অহুমমুম য়ামখৎলকই ॥২১॥ পাণ্ডব লাম্নী অয়াম্বা নারায়ণাস্ত্রগী মচৌন্দ থরাই থাজিলকপহুদা লালকমগী মকম পূম্বা মৈ থংবগুম চাকথেকলকলে ॥২২॥ মহারাজ! নিংথমথা লোইরবা তুংদা মৈনা কংলবা নাপী শীজবী মযাম চাকথেকলকপহুগুম্না নারায়ণাস্ত্রনা পাণ্ডব লাম্নী পূম্বা চাকথেকপা হৌরকলে ॥২৩॥ মহারাজ! নারায়ণাস্ত্রগী শক্তিনা অমমমুম হেনগৎলকপা অমুগা পাণ্ডব লাম্নীশিংনা অমমমুম মশীং য়াম্থরকপসি উবদা যুধিষ্ঠিরগী পূক্নীংদ চিংনবা আকবা থিপাইবা পোকলকলে ॥২৪॥ লাম্নী অয়াম্বা কোয়চেল চেয়রকলে অর্জুনসু ত্রৈকব খাণ্ডবক্ষেত্র মসি উবদা যুধিষ্ঠিরনা অমুম্না হায়খি ॥২৫॥ ধৃষ্টদ্যুম্ন! হৌজিকমক পাঞ্চাল লাম্নীশিংগা লোয়নমা চেন্থিজো। অমুগা সাত্যকি! নহাকসু বৃষ্ণিঅন্ধকগী লাম্নী পুম্ব পূম্না চুম য়োনবা চংনা য়ুমদা চৌথিজো। ॥২৬॥ ধর্ম্মাত্মা

সংগ্রামস্তু ন কর্ত্তব্যঃ সর্বৈরেতান্ ব্রবীমি বঃ। অহং হি সহ সোদর্যৈঃ প্রবেক্ষ্যে হব্যবাহনম্ ॥২৮॥
ভীষ্মদ্রোণার্ণবং তীর্ত্বা সংগ্রামে ক্লীকদুস্তরম্। নিমজ্জিষ্যামি সলিলে সগণো দ্রৌণিগোষ্পদে ॥২৯॥
কামঃ সম্পদ্যতামস্য বীভৎসোরাশু মাং প্রতি। কল্যাণবৃত্তো হ্যাচার্য্যো ময়া যুধি নিপাতিতঃ ॥৩০॥
যেন বালঃ স সৌভদ্রো যুদ্ধানামবিশারদঃ। সমর্থৈর্বহুভিঃ ক্রূরৈর্ঘাতিতো নাভিপালিতঃ ॥৩১॥
যেন বিব্রুবতী প্রশ্নং তথা কৃষ্ণা সভাং গতা। উপেক্ষিতা সপুত্রেণ দাসীভাবং নিযচ্ছতী ॥৩২॥
জিঘাংসুর্ধার্ত্তরাষ্ট্রশ্চ শ্রান্তেষ্বশ্বেষু ফাল্গুনম্। কবচেন তথা গুপ্তো রক্ষার্থং সৈন্ধবস্য চ ॥৩৩॥
যেন ব্রহ্মাস্ত্রবিদুষা পাঞ্চালাঃ সত্যজিন্মুখাঃ। কুর্ব্বাণা মজ্জয়ে যত্নং সমূলং বিনিপাতিতাঃ ॥৩৪॥
যেন প্রব্রাজ্যমানাশ্চ রাজ্যাদ্বয়মধর্ম্মতঃ। নিবার্য্যমাণা ন বয়ং নানুযাতাস্তদৈবিণঃ ॥৩৫॥

ওইব। কৃষ্ণদি মতম অসিগী হোনবী মতুং ইন্না মহাক্না থোকপা অমা তৌগ্রগনি। মরমদি জীব অয়াম্বগী মঙ্গল ওইননব থনবা মহাক্না মপাম্গীদ করিগী থম্লোই? ॥২৭॥ "লাম্গী মরাঅপা! নশা নশা হিংননবা হোৎনরে! লাল শোক্কবা তোক্লো। ঐদি ঈনাওশিংগা লোয়ননা মৈসুংশিদা চোংশিনাখহুন থরাই থাগ্রগে ॥২৮॥ আঃ! ওম্থোকপনি! মী অমনা পাক লানউমজ্রবা ভীষ্ম দ্রোণগী মশক ওইরবা ঈপাক অনীহুবুদি লাম্ঠোয়রক্লগা হৌজিক লাম্না অয়াম্বনা অশ্বত্থামাগী মশক ওইরব শল খোঙ্গুলদা ঈরাক্লহুনা লিশগদোরবনি! ॥২৯॥ ঐনা নীওলিবসিত ঐনা তৌগ্রগা অর্জ্জুনস্থ মাগী নীওবা থুংগ্রসনু। মাসগা মহেসে ঐখোয়না ঐখোয়গী কনবত্ত খনবিবা গুরু দ্রোণবু লালফমদা ভুননবা হোৎনাখবহুগীন ॥৩০॥ অতাং ওইরবা, লাম্দা অহুক য়াম্না হৈ শিংজ্রবা, অভিমন্যু মথন্তগী মথক্ত মহ হিংসা তেরবা, তমবিরবা লাম্দা হৈ শিংলবা কম্লবা অকনবা ময়াম খাজিন্দুনা হৎনখ দ্রোণ মশ মক্না। অভিমন্যুবু কম্লনবা মহাক্না হোৎনবিখিদে। দ্রৌপদীনা চৌবর সভাদা, মীনায়নুবী ওইবতদ তৌহনবিগনু হায়না হম্না হম্না হায়জখিবদা দ্রোণ মহাক্ মাগী মচা অশ্বত্থামাসিগা লোয়ননা থোংাদনা পৈখোকখি। অর্জ্জুনগী শগোম্না চোকথরকলদা, দুর্য্যোধননা অর্জ্জুনবু হাৎকে হায়না থম্লকলবদা, দ্রোণ হায়বহুনা জয়দ্রথবু কান্নবা শাশিন্নহুনা মশাগী অমাও অতা লৈত্রবা কবচবু লোথোকহুনা দুর্য্যোধনদা লীচ্ছনবিখি। ব্রহ্মাস্ত্রহৈজদবা সত্যজিৎনচিংবা ঐখোয়গী জয় ওইননবত থক্লবা সত্যজিৎনচিংবা পাঞ্চালশিংবু ব্রহ্মাস্ত্রনা লাম্দা দ্রোণ মহাক্না তুহনখি। কৌরবশিংনা ঐখোয়বু নমথাক তৌহুনা ঈরৈখাক্লগী তাম্থোয়রকপমতমদা গুরু দ্রোণ হায়বহুনা চীনবাম্থোংদা অহুক থামজিনবিখি। ঐখোয়গী ভুং ইমবিরকত্তে। ঐখোয়দি দ্রোণ মহাক্মক্না ঐখোয়গুম্না বন চৎপা তাম্নবদি ঐখোয়দি মাগী মতুং ইনগে থক্লরবনি। অদুনা হীরম পূখদা ঐখোয়গী কননবত্ত থনবীরবা দ্রোণ শিরে, অসি নত্রদো অর্জ্জুননা চিংনবনা হৌজিক কাওনা ভুকক ভুকাই চাহুনা লৈরিবসে? কৈ অহুনা

সোঽনামতাত্তমন্যায় কুর্ব্বাণঃ সৌহৃদং পরম্। হতধর্ম্মবরণঃ গমিষ্যামি সবান্ধবঃ ॥৩৬॥ (কুলকম্)
এবং ব্রুবতি কৌন্তেয়ে দাশার্হস্ত্বরিতস্ততঃ। নিবার্য্য সৈন্যং বাহুভ্যামিদং বচনমব্রবীৎ ॥৩৭॥
শীঘ্রং ন্যস্যত শস্ত্রাণি বাহেভ্যশ্চাবরোহত। এষ যোগোঽত্র বিহিতঃ প্রতিঘাতে মহাত্মনা ॥৩৮॥
দ্বিপাশ্বস্যন্দনেভ্যশ্চ ক্ষিতিং সর্ব্বেঽবরোহত। এবমেতন্ন বো হন্যাদস্ত্রং ভূমৌ নিরায়ুধান্ ॥৩৯॥
যথা যথা হি [illegible] যোধা হ্যস্ত্রমিদং প্রতি। তথা তথা ভবন্ত্যেতে কৌরবা বলবত্তরাঃ ॥৪০॥
নিক্ষেপ্স্যন্তি তু শস্ত্রাণি বাহনেভ্যোঽবরুহ্য যে। তান্ নৈতদস্ত্রং সংগ্রামে নিহনিষ্যতি মানবান্ ॥৪১॥
যে ত্বেতৎ প্রতিযোৎস্যন্তি মনসাপীহ কেচন। নিহনিষ্যতি তান্ সর্ব্বান্ রসাতলগতানপি ॥৪২॥
তে বচস্তস্য তচ্ছ্রুত্বা বাসুদেবস্য ভারত।। ঈষুঃ সর্ব্বেঽস্ত্রমুৎস্রষ্টুং মনোভিঃ করণেন চ ॥৪৩॥
তত উৎস্রষ্টুকামাংস্তানস্ত্রাণ্যালক্ষ্য পাণ্ডবঃ। ভীমসেনোঽব্রবীদ্রাজন্! ইদং সংহর্ষয়ন্ বচঃ ॥৪৪॥
ন কথঞ্চন শস্ত্রাণি মোক্তব্যানীহ কেনচিৎ। অহমাবারয়িষ্যামি দ্রোণপুত্রাস্ত্রমাশুগৈঃ ॥৪৫॥
অথবাঽপ্যনয়া গুর্ব্ব্যা হেমবিগ্রহয়া রণে। কালবৎ প্রচরিষ্যামি দ্রৌণেরস্ত্রং বিশাতয়ন্ ॥৪৬॥

ঐহাক দ্রোণ মাগীদমক্তা মরূপ মপাংগা লোয়নবা মৈদুংদা চোংশিনখিহনা গুরু দ্রোণহুগী লমন শিংজখিগে * ॥৩১ ৩৬॥

যুধিষ্ঠিরনা [illegible] হায়রক্লবদা, কৃষ্ণনা থুনা য়াংনা মকম্ অমুদগী হৌগৎতুনা পাম্বোম্ অনী খাংগত্তুনা পাণ্ডবলায়ীশিংবু লাল ভৌরুয়সু, খুৎলায় থাদোকুলো হায়না থায়গা ময়াম্দা অসুম্না হায়রক্লই—॥৩৭॥ লায়ীশা! নংগী নংগী শাদোং রথনচিংবদগী কুমথো—। খুৎলায় থাদোকউ। শ্রীনারায়ণ মশামক্না নারায়ণাস্ত্রদগী লৌখোক্ননবগী উপায়দি মাসিতনি হায়না তাক্পিরবনি ॥৩৮॥ নখোয় পুম্নমক্ শগোল-শাম্-রথদগী কুমথো অহুম্ ভৌরবদি নারায়ণাস্ত্রনা লালকমদা খুৎলায় থাদোক্লবা মীবু হাৎপীদে ॥৩৯॥ অদুগা নখোয়না কলি থোই হায়দুনা অস্ত্রম্ শোক্লবদি কৌরব-পক্ষগী লায়ীশিংসিনা অস্ত্রম্ কন্থৎলকপদুম্ হেল্লগনি ॥৪০॥ "লালকম্দা মাগী মাগী বাহন (শাদোং) দগী কুমথদুনা খুৎলায় থাদোক্লবা লায়ীশিং অদুবু নারায়ণাস্ত্রনা হাৎতে ॥৪১॥ অদুগা মাগী মনাওদা মায়োক্লনবা শোক্লবা হৌক্লবা মীদুদি ময়না পাতালদা চঙ্খ্রবসু মাবু তায়দুনা হাৎলি" ॥৪২॥ ভরতনন্দন, মহারাজ! পাণ্ডবলায়ী পুম্নমক্‌না কৃষ্ণগী য়াসি তাবদা মাগী মাগী বাহন-কুমথদুনা খুৎলায় [illegible]পে হায়না মপুক্লীংদা লেপখ্রে ॥৪৩॥ মহারাজ! অদুগী তুংদা লায়ী শিংনা খুৎলায় থা[illegible] হায়না থক্কপসি উবদা ভীমসেননা, ময়ামদা নুংঙাইবা-হর্ষাওবা উৎপা শইনা অসুম্না হায়রক্লই:—॥৪৪॥ "হৌজিক্‌কনা অমত্তনা খুৎলায় থাদোক্পিখিগনু। ঐনা ঐগী তেক্তনা অশ্বত্থামাগী খুৎলায়সি ভাক্খোক্লকে ॥৪৫॥ নত্রগা সনাগী ঐগী চাউবা গদা অসিনা

---

*টীকা:— য়াসি পুক্নিং থুংশিন্নবা যুধিষ্ঠিরনা অর্জ্জুনদা তাননবা কথোক্লনা হায়বনি।

যদি মে বিক্রমে তুল্যঃ কশ্চিদস্তি পুমানিহ। যথৈব সবিতুর্জালং জ্যোতিষাং বিজয়তে ॥৪৭
পশ্যতেমৌ হি মে বাহূ নাগরাজকরোপমৌ। সমর্থৌ পর্ব্বতস্যাপি শৈশিরস্য নিপাতনে ॥৪৮
নাগাযুতসমপ্রাণো হ্যহমেকো নরেষ্বিহ। শক্রো যথাপ্রতিদ্বন্দ্বো দিবি দেবেষু বিশ্রুতঃ ॥৪৯
অদ্য পশ্যত মে বীর্য্যং বাহ্বোঃ পীনাংসয়োর্যুধি। জ্বলমানস্য দীপ্তস্য দ্রৌণেরস্ত্রস্য বারণে ॥৫০
যদি নারায়ণাস্ত্রস্য প্রতিযোদ্ধা ন বিদ্যতে। অদ্যৈতৎ প্রতিযোৎস্যামি পশ্যৎসু কুরুপাণ্ডুষু ॥৫১
এবমুক্ত্বা ততো ভীমো দ্রোণপুত্রমরিন্দমম্। অভ্যয়ান্মেঘঘোষেণ রথেনাদিত্যবর্চ্চসা ॥৫২
স এনমিষুজালেন লঘুত্বাচ্ছীঘ্রবিক্রমঃ। নিমেষমাত্রেণাসাদ্য কুন্তীপুত্রোঽভ্যবাকিরৎ ॥৫৩
ততো দ্রৌণিঃ প্রহস্যৈনং প্রবদন্নভিভাষ্য চ। অবাকিরৎ প্রদীপ্তাগ্রৈঃ শরৈস্তৈরভিমন্ত্রিতৈঃ ॥৫৪
পন্নগৈরিব দীপ্তাস্যৈর্বমদ্ভিরনলং রণে। অবকীর্ণোঽভবৎ পার্থঃ স্ফুলিঙ্গৈরিব কাঞ্চনৈঃ ॥৫৫
তস্য রূপমভূদ্রাজন্! ভীমসেনস্য সংযুগে। খদ্যোতৈরাবৃতস্যেব পর্ব্বতস্য দিনক্ষয়ে ॥৫৬

অশ্বত্থামাগী নারায়ণাস্ত্র স অমেম্বদা তাহনগে। অহগা ঐ যমরাজগুম্না লানকম মরায়ুসিদা" ঐবু কনানা কাম ভৌরবগে য়েংগে ॥৪৬॥ অগৎকী মনুংদা সূর্য্যগী তেজগুম্বা অতৈ তেজ অম লৈতবগুম্না, ভীম ঐগী তেজগুম্বা করম্বা নিপাগী লৈ? ॥৪৭॥ মরাম্না ঐগী শামু-নাতোনগুম্বা ইপাখোয় অনীসু য়েংঙু। পাম্বোম অনীসে হন্যাপর চাগাও কাওর ককারবা গুমগনি ॥৪৮॥ স্বর্গলোকত লাইরামশিংগী মনুংদা ইন্দ্রনা খ্বাইদগী অখোইবা অকাওবা অমা ওইনা লৈবগুম্না ভীম ঐসু অগৎ আসদা তাইবংমীগী মনুংদা শামু লপ ওরাগী পাঙ্গল কনবানি, অকনবানি, লাম্বা অম লৈত্রবনি হায়না কাওহন লেরবন ॥৪৯॥ পাণ্ডবা! ঙসগী লান্দা অশ্বত্থামানা কাপলকপা মৈয়রখোক্লা চাক্লবা নারায়ণ অস্ত্র খাংদন, ঐগী নায়রবা কল্লবা লেংজুম্ অনীদগী খিক্লোক্-মকুলিবা পাম্বোম্ অনীসিগী পঙ্গল য়াম্না তুক য়েংবিয়ু ॥৫০॥ "অগত্তা নারায়ণাস্ত্রগী মমাঙদা খাঙ্গদবা অমত্তা লৈত্রবদ্রু, লৌরব পাণ্ডবশাম্মীশং নখোয়গী মাঙমক্তদা ভীম ঐনা মাগী খুৎলায়বু থিংগনি" ॥৫১॥ রাহৈ আস হায়রগী কল্লব ভীমসেনন নোংখোংব ওংবগী মতৌগুম্না চোয়বা সুমিৎকী মশেক্তুম্ লংলবা চাউরব মংগ রথদা তোংখত্তনা য়েক্লবা নৈহৎপা গুম্বা অশ্বত্থামা য়োম্ কুজিন্নকই ॥৫২॥ অদুদগী খুৎলে থুমব, কল্লবা, মরিন্ মবৌন লৈরবা ভীমসেনবা তেল্ মপৈর মপৈর কাপ্ শিল্—কাপ্‌শর ফুজন্নক্তনা অশ্বত্থামাগী মথাপুম্বা তেল্তনা পুথরোম্-রোম্হন্‌খে ॥৫৩॥ মাহ উবদা অশ্বত্থামানা নোক্ল-নোক্লা মচীস্থোরবা লাইগী মন্ত্র শোজিন্নবা তেল মপৈ-মপৈ কাপশিন্নক্তনা ভীমবুয় মাগী তেল পুংরোম্ খোমশলহনখে ॥৫৪॥ মতম অসিদা অশ্বত্থামাগী লংলবা থোরবা, মনা মরীক্ মরীক্ পাইশারকপগুম মেরীক্ মপৈ মপৈ মচীশ্বগী কাপ্‌খোকল্লবা তেলশিং অমনা ভীমগী মথাপুম পুম্‌কুপ্ কুপ্‌শলহনখে ॥৫৫॥ মহারাজ! ভীমসেনগী মথা অসি

ততস্তদ্ দ্রোণপুত্রেণ তস্মিন্ প্রতিসমস্ত্রিতে। অবর্দ্ধত মহারাজ! যথাগ্নিরনিলোদ্ধতঃ ॥৫৭॥
বিবর্দ্ধমানমালক্ষ্য তদস্ত্রং ভীমবিক্রমম্। পাণ্ডুসৈন্যমতে ভীমং সুমহদ্ভয়মাবিশৎ ॥৫৮॥
ততঃ শস্ত্রাণি তে সর্ব্বে সমুৎসৃজ্য মহীতলে। অবারোহন্ রথেভ্যশ্চ হস্ত্যশ্বেভ্যশ্চ সর্ব্বশঃ ॥৫৯॥
তেষু নিক্ষিপ্তশস্ত্রেষু বাহনেভ্যশ্চ্যুতেষু চ। তদস্ত্রবীর্য্যং বিপুলং ভীমমূর্দ্ধন্যথাপতৎ ॥৬০॥
হাহাকৃতানি ভূতানি পাণ্ডবাশ্চ বিশেষতঃ। ভীমসেনমপশ্যন্ত তেজসা সংবৃতং ততঃ ॥৬১॥
ভীমসেনং সমাকীর্ণং দৃষ্ট্বাস্ত্রেণ ধনঞ্জয়ঃ। তেজসঃ প্রতিঘাতার্থং বারুণেন সমাবৃণোৎ ॥৬২॥
নালক্ষয়ত তং কশ্চিদ্বারুণাস্ত্রেণ সংবৃতম্। অর্জ্জুনস্য লঘুত্বাচ্চ সংবৃতত্বাচ্চ তেজসঃ ॥৬৩॥
সাশ্বসূতরথো ভীমো দ্রোণপুত্রাস্ত্রসংবৃতঃ। অগ্নাবগ্নিরিব ন্যস্তো জ্বালামালী সুদুর্দৃশঃ ॥৬৪॥
যথা রাত্রিক্ষয়ে রাজন্! জ্যোতীংষ্যস্তগিরিং প্রতি। সমাপেতুস্তথা বাণা ভীমসেনরথং প্রতি ॥৬৫॥
স হি ভীমো রথশ্চাস্য হয়াঃ সূতশ্চ মারিষ!। সংবৃতো দ্রোণপুত্রেণ পাবকান্তর্গতোঽভবৎ ॥৬৬॥

কৃপ্‌কেৎ কাকেৎ ভাল্লবা তন্দগ্না পূময়োম্ য়োম্‌থবা চাউরবা চীঙহুম্ অমগী মতৌগুমদ্রে ॥৫৬॥ মহারাজ! মতম অসিনা ভীমসেননা কাপ্লক্‌পা তেলশিং অহুনা পুরকপা সুংশিংকী শউম্ন অশ্বত্থামাগী তেলগী মচীন্দগী হৌরকপা মৈরীকৃশিং অহু হায়দগী হেন্ন হেন্না মৈরিকংনা চাকপা হৌরকলে ॥৫৭॥ অকিবগী মশক্ কংলবা তেলশিং অহুনা মৈরী পাইবগুম্না মশীং লাকভমদনা পাণ্ডৈশিল্লকৃপত্থ উবদা ভীম নত্তনা পাণ্ডবলাম্মী পুম্বা কিবনা থক থক্ নীকশ্রে ॥৫৮॥ মতম্ অহুদা পাণ্ডবলাম্মী পুম্বা খুৎলায় থাদোক্লহুনা মাগী মাগী রথ-শগোল শামুথক্কগী চোংথনরকলে ॥৫৯॥ খুৎলায় থাদোক্লুনা পাণ্ডবলাম্মীশিংনা চেংস্থে রুংক্লবদা অশ্বত্থামাগী খুৎলায়হুনা ভীমসেনতবু তমহুনা পাইশিল্লকলে ॥৬০॥ ভীমসেন মথন্তবু খুৎলায়গী তেজ মপৈ অহুনা কৃপশিনখিবহু পাণ্ডবলাম্মীশিংনা উবদ' হাহাকার লাউনখি ॥৬১॥ ভীমসেনবু নারায়ণ স্ত্রনা কৃপশিনখিবহু উবদা অর্জ্জুননা তেজ ময়াম মুথৎকদনগী বারুণাস্ত্র কাপশিল্লক্লুনা ভীমগী মশা পুম্বা বারুণাস্ত্রনা কৃপশিন্দুনা থমশ্রে ॥৬২॥ অমরোম্দা অর্জ্জুননা খুৎলৈ থুনা কাপশিল্লকই। অমরোমদা ভীম অসি অশ্বত্থামাগী খুৎলায়গী মশেকমতাম্না কৃপশিল্লকলি অহুনা ভীমগী হকচাংবু অর্জ্জুননা বারুণ স্ত্রনা য়োমশিন্দুনা থমখি হায়বসি কনাঅমত্তনা উবা ফংখিদ্রে ॥৬৩॥ শগোল সারথি রথগ্না লোয়ননা ভীম অসি, অশ্বত্থামাগী খুৎলায়হুনা কৃপশিনখিবহুদা মৈশুংদা কংশিনখিবা মৈবুল অমসু উবা ফংদবহুগুম্না মশক মমেক লানা উখিদ্রে ॥৬৪॥ মহারাজ! মতম্ অসিদা, নোংডাম্নকপদা থরানমিচাকশিংনা অস্তাচল লোম্দা চায়থনখিবহুগুম্না অশ্বত্থামাগী নারায়ণ মন্ত্রশোম্নিসবা নারায়ণাস্ত্রশিং অহু ভীমগী রথয়োমতদা পাইশিল্লকলে ॥৬৫॥ ইকায় খুম্নবগী মশক ওইরবা নিংথৌ! মতম অসিদা ভীম, ভীমগী রথ, ভীমগী শগোল-সারথি—পূম্নমক অসি অশ্বত্থামাগী

[illegible] ॥৬৫॥
সূর্যমগ্নিঃ প্রবিষ্টঃ স্যাদ্যথা চাস্তং দিবাকরঃ। তথা প্রবিষ্টং তত্তেজো ন প্রাজ্ঞায়ত পাণ্ডবঃ ॥৬৬॥
বিকীর্ণমস্ত্রং তদ্দৃষ্ট্বা তথা ভীমরথং প্রতি। উদীর্যমাণং দ্রৌণিঞ্চ নিষ্প্রতিদ্বন্দ্বমাহবে ॥৬৯॥
সর্বসৈন্যঞ্চ পাণ্ডুনাং ন্যস্তশস্ত্রমচেতনম্। যুধিষ্ঠিরপুরোগাংশ্চ বিমুখাংস্তান্ মহারথান্ ॥৭০॥
অর্জুনো বাসুদেবশ্চ ত্বরমাণৌ মহাদ্যুতী। অবপ্লুত্য রথাদ্বীরৌ ভীমমাদ্রবতাং ততঃ ॥৭১॥
(বিশেষকম্)
ততস্তদ্দ্রোণপুত্রস্য তেজোঽস্ত্রবলসম্ভবম্। বিগাহ্য তৌ সুবলিনৌ মায়য়াবিশতাং তদা ॥৭২॥
ন্যস্তশস্ত্রৌ ততস্তৌ তু নাদহদস্ত্রজোঽনলঃ। বারুণাস্ত্রপ্রয়োগাচ্চ বীর্যবত্ত্বাচ্চ কৃষ্ণয়োঃ ॥৭৩॥
ততশ্চকর্ষতুর্ভীমং তস্য সর্বায়ুধানি চ। নারায়ণাস্ত্রশান্ত্যর্থং নরনারায়ণৌ বলাৎ ॥৭৪॥
আকৃষ্যমাণঃ কৌন্তেয়ো নদত্যেব মহারবম্। বর্দ্ধতে চৈব তদ্ঘোরং দ্রৌণেরস্ত্রং সুদুর্জয়ম্ ॥৭৫॥

তেজ্রা কুপথিক্কনা মৈকুদা লোইনা চোংশিনলুপশিনথিমগী মতৌ ওৎপে ॥৬৬॥ প্রলয়গী মৈক্কা মচক্কতগী জগৎপুম্বা লাকথেক্কদলগা জগৎসৃষ্টি-কর্ত্তা পরমাত্মা ভগবানগী মচৌদা পাইশিন লুপশিন-থিবক্কওয়া অশ্বত্থামাগী খুৎলায়গী মৈরিশিং অহুনহু লম্ অম,অম কাঙ্গনা ভীমতহু পাইশিনকনা ভীমবু পুময়োম্ য়োমশিনখে ॥৬৭॥ অয়ুক্লুংথিলগী মতমদা মৈনা সুমিত্তা চঙশিনখিবওম্ অহুগা হুমিদাংদনা হুমিংনা মৈদা চঙশিনখিবক্কয়া খুৎলায়গী তেজ ময়াম্ অক্কনা ভীমমথক্তদা হুমজিনখে অহুনা মতম্ অসিদা ভীম অসি মশকু শুকুউউখিয়ে ॥৬৮॥ খুৎলায় ময়ামু অক্কনা ভীমতদা পাইশিন-খকলি, অশ্বত্থামাহু লাম্বা অম লৈক্রবগী মওংদা মশা মথন্তগী তেজনা মখোনানা লালকম্ অওদা চপ লেপ্তনা লৈনরি। পাণ্ডবশিং অমদি পাণ্ডবপক্ষগী লাম্মীপুম্ব জ্ঞান তাদনা, অশিবওয়া চপ চপলেপ্তনা লৌরি। যুধিষ্ঠিরনচিংবা মহারথীশিংহু মৈশানাথাঙবা ওমদক্লনা মমায় লৈথোক্লরক্লি। ঙাক্লাসিদা কাক্কবা কৃষ্ণ-অর্জুন অনী অসি রথদগী কল হেক্ক চোংথক্লনা প্রপ্রপ চেলশিক্লকই ॥৬৯—৭১॥
মতম অহুদা কাক্কবা কৃষ্ণ অর্জুন অনীসি প্রপ্রপ চেলশিক্লকতুনা অশ্বত্থামাগী খুৎলায়গী মচীলগী পোকপা পাক চাউরবা মৈফুং অহুদা কল কল চোংশিলখি ॥৭২॥ কৃষ্ণ অর্জুন অনীমা খুৎলোই থাদোকতুনা চঙখিব, বারুণাস্ত্রগী মক্কনা পুময়োম য়োমখিবা অহু মক্কনা অহুগা মশা মশাগী মপাঙ্গল শক্তি লৈবা অমুমক্কনা মৈনা মখোয়বু চাকহৈকপা ওমদে ॥৭৩॥ অহুদগী কৃষ্ণ অর্জুন অনীনা নারায়ণাস্ত্রগী মৈ মুথৎননবগী [illegible] মথ মথুকগী ভীমবু [illegible] [illegible] মাই [illegible] ॥৭৪॥ [illegible]
[illegible]
[illegible] ॥৭৫॥

তবাব্রবীদ্বাসুদেবঃ কিমিদং পাণ্ডুনন্দন! ।
নার্য্যমাণোঽপি কৌন্তেয়! মদ্বাক্যান্ন নিবর্ত্তসে ॥৭৬॥
যদি যুদ্ধেন জেয়াঃ স্যুরিমে কৌরবনন্দনাঃ।
বয়মপ্যত্র যুধ্যেম তথা চেমে নরর্ষভাঃ ॥৭৭॥
রথেভ্যস্ত্ববতীর্ণাঃ স্ম সর্ব্ব এব হি তাবকাঃ।
তস্মাত্ত্বমপি কৌন্তেয়! রথাত্তূর্ণমপাক্রম ॥৭৮॥
এবমুক্ত্বা তু তং কৃষ্ণো রথাদ্ভূমিমবর্ত্তয়ৎ।
নিঃশ্বসন্তং যথা নাগং ক্রোধসংরক্তলোচনম্ ॥৭৯॥
যদাপকৃষ্টঃ স রথান্ন্যাসিতশ্চায়ুধং ভুবি।
ততো নারায়ণাস্ত্রং তৎ প্রশান্তং শত্রুতাপনম্ ॥৮০॥
তস্মিন্ প্রশান্তে বিধিনা তেন তেজসি দুঃসহে।
বভূবুর্বিমলাঃ সর্ব্বা দিশঃ প্রদিশ এব চ ॥৮১॥
প্রববুশ্চ শিবা বাতাঃ প্রশান্তা মৃগপক্ষিণঃ।
বাহনানি চ হৃষ্টানি প্রশান্তেঽস্ত্রে সুদুর্জ্জয়ে ॥৮২॥
ব্যপোঢ়ে চ ততো ঘোরে তস্মিংস্তেজসি ভারত! ।
বভৌ ভীমো নিশাপায়ে ধীমান্ সূর্য্য ইবোদিতঃ ॥৮৩॥
হতশেষং বলং তত্তু পাণ্ডবানামতিষ্ঠত।
অস্ত্রব্যুপরমাদ্ধৃষ্টং তব পুত্রজিঘাংসয়া ॥৮৪॥

ভিক্ষরিবা লাইরাম্ শিবিরা মহাদেবদা অসুরা হংগৎখি ॥৫৯॥ "ভগবন! ব্রহ্মানা ত্রিপুর (কোমুং অহুমদ) দা লৈবা হিংচাবা অহুম্‌সিদা ওস্থোকপা বর অম পীথ্রে। হায়রিবা ত্রিপুরবাসী হিংচাবা অহুমসিদা জগৎপুম্বদা অরাবা পীড়না অত্যাচার তৌরকলি ॥৬০॥ হে দেব দেব! মহেশ্বর! ঈবুঙো নহাক্না নত্তনা কনা অমত্তনা মথোয়বু হাৎপ ঙম্মরোই। অদুনা মহাদেব! মহুমসিবু লোইথোকপিদুনা জগৎসিবু অমুক্তদি উদ্ধার তৌবিয়ু ॥৬১॥ "হে রুদ্র! হে জগদীশ্বর! ঈবুঙো নহাক্না হিংচাবা অহুমসিবু হাৎপি-রবদি দেবতা ঐথোয়গীদমক্ত জগত্তা তৌরকপা যজ্ঞখিবক্তা, যজ্ঞগী পশু (শগোলনচিংবা শা) অদুমক্ মহাদেব নহাক্তী রুদ্রভাগ হায়না শরুক তমজগে" ॥৬২॥ দেবতাশিংনা অসুমা হায়জরবদা "করে, অদুমত্তায়রে" অসুম হায়দুনা মহাদেবনা লাইরামগী কামনবগীদমক, গন্ধমাদনগা বিন্ধ্যগ. অনীনা [কিয়াজগী নাকল অনীগী খিরালচৈথোক ওইদুনা, সমুদ্র অমদি চীংমান পুম্বগা লোয়নবগী পৃথীবিনা রথ ওইদুনা, জিল অথোইবা অনন্তনা রথগী চাকলেন ওইদুনা, সূর্য্য-চন্দ্র অনীনা চাকা ওইদুনা এলপত্র-পুষ্পদন্ত [illegible]বা লিল অনীনা রথগী ধরাগা চাকাগা অনীগী মরক্তা থাবা য়োগী (শীংচেপ) ওইদুনা, মলয়[illegible]না পোপু ওইদুনা, তক্ষক কৌবা লিয়া চাকাগা ধরাগা কাজিয়নবা থৌরী ওইদুনা, সত্ত্ব[illegible]না পোপুগা শগোলগা লাকশিননবা থৌরী ওইদুনা বেদ মরিনা শগোলমরি, ওইদুনা, উপবেদশিংনা শগোলচুক্রী ওইদুনা, গায়ত্রী সাবিত্রি অনীনা থৌরী ওইদুনা, প্রণব (ওঁকার) না শাগৈ, ব্রহ্মনা সারথি মন্দারপর্ব্বতনা লীরুং, বাসুকিনা লীরী, বিষ্ণু মশামক্তা তেল, অগ্নিদেবতানা থেঙ্গিল, বায়ু (নুংশিৎ) না তেলগী নাকল অনীদা পানবা থেম্না, সূর্য্যগী মচা

তত্ত্রীণি সমেতানি অন্তরীক্ষে পুরাণি চ। ত্রিপর্ব্বণা ত্রিশল্যেন তেন তানি বিভেদ সঃ ॥৭৪॥
পুরাণি ন চ তং শেকুর্দানবাঃ প্রতিবীক্ষিতুম্। শরং কালাগ্নিসংযুক্তং বিষ্ণুসোমসমাযুতম্ ॥৭৫॥
পুরাণি দগ্ধবন্তং তং দেবী যাতা প্রবীক্ষিতুম্। বালমঙ্কগতং কৃত্বা স্বয়ং পঞ্চশিখং পুনঃ।
উমা জিজ্ঞাসমানা বৈ কোঽয়মিত্যব্রবীৎ সুরান্ ॥৭৬॥
অসূয়তশ্চ শক্রস্য বজ্রেণ প্রহরিষ্যতঃ। বাহুং সবজ্রং তং তস্য ক্রুদ্ধস্যাস্তম্ভয়ৎ প্রভুঃ ॥৭৭॥
স এষ ভগবান্ দেবঃ সর্ব্বলোকেশ্বরঃ প্রভুঃ। ন সংবুবুধিরে চৈব দেবাস্তং ভুবনেশ্বরম্।
সপ্রজাপতয়ঃ সর্ব্বে বালার্কসদৃশপ্রভম্ ॥৭৮॥
অথাভ্যেত্য ততো ব্রহ্মা দৃষ্ট্বা চ স মহেশ্বরম্। অয়ং শ্রেষ্ঠ ইতি জ্ঞাত্বা ববন্দে তং পিতামহঃ ॥৭৯॥
ততঃ প্রসাদয়ামাসুরুমাং রুদ্রঞ্চ তে সুরাঃ। অভবচ্চ পুনর্বাহুর্যথাপ্রকৃতি বজ্রিণঃ ॥৮০॥

তানা তেলগী তেলখোক, নোংথাংনা কাপখোকপা, অদুগা সুমেরুনা কিয়াল ওইদুনা ত্রিপুরাসুরগা থেংনগে হায়রগীদমক্ কৈলাসগী মথক্তা চহি লিশিং অম চুপনা শেমশাদুনা লৈখি। অর্জ্জুন! মতম অদুদা লাইরাম্ অমদি ঋষিখিবিক্না, হিংচাব হাংওম্বা, অকনবগী গুণ পুম্নমক্না লৈতেংলবা পান্জম্নীঙার লৈত্রবা শক্তি পুরবা মহাদেবগী স্তুতি তৌখি ॥৬৩॥—৭৩॥ নোংমদোক্তা ত্রিপুর কৌবা হিংচাব অহুমগী বিমান [নগর] অহুম্দুনা পাইখৎলকপা মতমদা মহাদেবনা মচীললোংখুম্ অহুম্ পানবা মতাং অহুমহুম পামবা তেল অমনা বিমান অহুম অদুবু মতম অমত্তদ থিনগাইথি ৭৪॥ বিমান মথক্ত লৈরিবা দানবশিং অদুনা মহাদেবগী খুৎলায় অদুবু মমায় ওইন্দুনমক্ত য়েংব ঙমখিদে ।৭৫॥ মহাদেবনা বিমান অহুমদুবু চাক্থেক্হনপ্রবদা উমা [পার্ব্বতী] দেবীনা শিখামত্তা থাকপা অঙাংমচা অম মথাদা কোন্দুনা মহাদেবগা উনগে হায়রগী দমক্ মফম্ অদুদা লাকই,। লাইশিংগী মপুক্নীং য়েংখোক্তে হায়রগীদমক উমাদেবী লাইরামশিংদা "অঙাং অসি কনানো খঙত্রা ?" হায়না হংখি ॥৭৬॥ অঙাং অদু উবদা ইন্দ্রনা থোইনা কন্নকখি। মাহুদগী মহাক্না মাগী বজ্র অদু পায়খত্না অঙাং অদুদ লংশিংগে হেকতৌরক্পদা মতিক মগুণ চাউরবা মহাদেবনা ব্রজগা লোয়ননা ইন্দ্রগী পাখোম অদু শিখহনখি [পঙথহনখি] ॥৭৭॥ অর্জ্জুন। অদুগুম্বা মহাদেব হায়বা দেবতা অদুদি ভগবাননি, জগৎপুম্বগী হর্ত্তা-কর্ত্তানি। লাইরাম খিবিক্নী মনুংদা খ্বাইদগী মতীক মগুণ চাউবনি। প্রজাপতিশিংগা লোয়নন্না দেবতা পুম্নমক্না, অনৌব থোয়কপা নুমিৎকুম্বা, মহাতেজ কন্নবা, জগদীশ্বর ওইবা মহাদেবগী মশক্ খংনা খঙবিদে ॥৭৮॥ মতম অদুদা ব্রহ্মানা মাগী মক্মদগী হৌগৎখিদুনা, মহাদেববু খ্বাইদগী অখোইবনি খঙদুনা, মহাদেবগী স্তুতি তৌখি ॥৭৯॥ মতুংদা লাইরামশিংনস্থু চত্তশিন্দুনা উমাদেবী-মহাদেব অনীবু লৈশি-লৈখোন্দুনা পেলহনখি। মতম অদুদা ইন্দ্রগী পাংখক্নবা মপাখোম্দুনা অদুক হান্নগী মতৌরম্ ওইব লেখি ॥৮০॥

তেষাং প্রসন্নো ভগবান্ সপত্নীকো বৃষধ্বজঃ। দেবানাং ত্রিদশশ্রেষ্ঠো দক্ষযজ্ঞবিনাশনঃ ॥৮১॥
স বৈ রুদ্রঃ স চ শিবঃ সোঽগ্নিঃ সর্ব্বঃ স সর্ব্ববিৎ। স চেন্দ্রশ্চৈব বায়ুশ্চ সোঽশ্বিনৌ চ স বিদ্যুতঃ ॥৮২॥
স ভবঃ স চ পর্জ্জন্যো মহাদেবঃ সনাতনঃ। স চন্দ্রমাঃ স চেশানঃ স সূর্য্যো বরুণশ্চ সঃ ॥৮৩॥
স কালঃ সোঽন্তকো মৃত্যুঃ স যমো রাত্র্যহানি। মাসার্দ্ধমাসা ঋতবঃ সন্ধ্যে সংবৎসরশ্চ সঃ ॥৮৪॥
ধাতা চ স বিধাতা চ বিশ্বাত্মা বিশ্বকর্ম্মকৃৎ। সর্ব্বাসাং দেবতানাঞ্চ ধারয়ত্যবপুর্ব্বপুঃ ॥৮৫॥
সর্ব্বৈর্দেবৈঃ স্তুতো দেবঃ সৈকধা বহুধা চ সঃ। শতধা সহস্রধা চৈব ভূয়ঃ শতসহস্রধা ॥৮৬॥
দ্বে তনূ তস্য দেবস্য বেদজ্ঞা ব্রাহ্মণা বিদুঃ। ঘোরা চান্যা শিবা চান্যা তে তনূ বহুধা পুনঃ ॥৮৭॥
ঘোরা তু যা তনুস্তস্য সোঽগ্নির্বিষ্ণুঃ স ভাস্করঃ। সৌম্যা তু পুনরেবাস্য আপো জ্যোতীংষি চন্দ্রমাঃ ॥৮৮॥
বেদাঃ সাঙ্গোপনিষদঃ পুরাণাধ্যাত্মনিশ্চয়াঃ। যদত্র পরমং গুহ্যং স বৈ দেবো মহেশ্বরঃ ॥৮৯॥
ঈদৃশঃ স মহাদেবো ভূয়শ্চ ভগবানজঃ। নহি সর্ব্বে ময়া শক্যা বক্তুং ভগবতো গুণাঃ।
অপি বর্ষসহস্রেণ সততং পাণ্ডুনন্দন। ॥৯০॥

লাইপুরমকী অথোইবা, দক্ষযজ্ঞবু থুগাইখৎপা ভগবান মহাদেবনা লোয়নবী উমাদেবীগা লোয়নন্না লাইরামশিংগী মকমদা অমুক্ পেনখিখি ॥৮১॥ মহাদেব হায়বসে রুদ্রনু মহাক্নি, শিবনু মহাকী মৈ-ঈশিং-নুংশিৎ মহাক্তনা ওইবনি। খোখোম্না খঙবা সর্ব্বজ্ঞ হায়বহুসু মহাক্নি। ইন্দ্র, বায়ু, অশ্বিনী-কুমার, অনীসু মহাক্তগী শায়োন্নি। নোং-নোংখাংসু মহাক্নি ॥৮২॥ ভব, মেঘ (নোং) সনাতন, চন্দ্র, সূর্য্য, ঈশান, বরুণ—হায়রিবসি মহাক্তনা ওইরিবনি ॥৮৩॥ কাল, থ্বাইপূম্বু লৌশিনবা, মৃত্যু (শিব) যম, অহিং, নুংথিল চহী, থা, চয়োল, পক্ষ, ঋতু, সন্ধ্যা — পুম্নমক অসি মহাক্তনা ওইরিবনি ॥৮৪॥ মহাক্তি ধাতানি, বিধাতানি, অচচ্চত্ত পুম্বগী—আত্মান, শরকপুম তৌওবা নিরাকার ব্রহ্মগী মশক্নি। নিরাকার ওইন ওইনা দেবতা খুদিংগী মশকসু মহাক্না পুক্তন্নি ॥৮৫॥ দেবতাশিং অমমি মহাকী ভক্তশিংনা তৌজ তৌজবা স্তুতিগী মতুংইন্না শক্তোন্ অমতসু, মরামসু লিশিং-চাম থোক্তসু পুক্তন্নি ॥৮৬॥ বেদ খঙবা ব্রাহ্মণশিংনা হায়নৈ :—মহাদেবগী মূর্ত্তি অনীনি ; অমনা য়েংবদা মহা-শান্তিগী মশক্নি অমনা তমথিনা অকিবগী মশক্নি। হায়'রবা মূর্ত্তি অনী অসি, অমুক্ অমমগী মথক্ কয়া কয়া লৈরি ॥৮৭॥ মাগী অকিবগী মশক ওইবা মূর্ত্তিদি মৈনি, নৃসিংহনচিংব বিষ্ণুগী মশকনি। কালেন্থাগী চান্নবা নুমিৎসু মাগী মশক্নি। অইংবা নীঙথিবা মূর্ত্তিনা ঈশিং, থা, থবান মিচাকশিং অসিনা ওইরি ॥৮৮॥ ব্যাকরণনচিংবা বেদগী অঙ্গতকক, উপনিষদকা লোয়নন্না বেদ মখি, পুরাণশিং অধ্যাত্মশাস্ত্রনচিংবা লাইরিকশিং অসিগী মনুংদা লৈরিবা থুরবা তত্ত্বশিং অমো মহাদেবগী তাক্তনি ॥৮৯॥ পাণ্ডুনন্দন। হায়রিবা মহাদেব অসি লাইপুরমক্তগী অথোইবা ঐশ্বর্য্য পূরবদা তিন্নবা, পোকপশিবা লৈতবনি। ঐনা চহী লিশিং অম চুপ মাপী গুণবু শীংথানবদু

সর্ব্বকার্য্যেষু হীতাম্ বৈ সর্বপাপনিবর্হিতান্। স মোচয়তি সুপ্রীতঃ শরণ্যঃ শরণাগতান্ ॥১১॥
আয়ুরারোগ্যমৈশ্বর্য্যং বিত্তং কামাংশ্চ পুষ্কলান্। স দদাতি মনুষ্যেভ্যঃ স চৈবাক্ষিপতে পুনঃ ॥১২॥
শক্রাদিষু চ দেবেষু তস্য চৈশ্বর্য্যমুচ্যতে। স চৈব ব্যাপৃতো লোকে মনুষ্যাণাং শুভাশুভে ॥১৩॥
ঐশ্বর্য্যাচ্চৈব কামানামীশ্বরশ্চ স উচ্যতে। মহেশ্বরশ্চ ভূতানাং মহতামীশ্বরশ্চ সঃ।
বহুভির্বহুধা রূপৈর্বিশ্বং ব্যাপ্নোতি বৈ জগৎ ॥১৪॥

তস্য দেবস্য যদ্বক্ত্রং সমুদ্রে তদতিষ্ঠত। বড়বামুখেতি বিখ্যাতং পিবত্তোয়ময়ং হবিঃ ॥১৫॥
এষ চৈব শ্মশানেষু দেবো বসতি নিত্যশঃ। যজন্ত্যেনং জনাস্তত্র বীরস্থান ইতীশ্বরম্ ॥১৬॥
অস্য দীপ্তানি রূপাণি ঘোরাণি চ বহূনি চ। লোকে যান্যস্য পূজ্যন্তে মনুষ্যাঃ প্রবদন্তি চ ॥১৭॥
নামধেয়ানি লোকেষু বহূন্যত্র যথার্থবৎ। নিরুচ্যন্তে মহত্ত্বাচ্চ বিভুত্বাৎ কর্ম্মভিস্তথা ॥১৮॥
বেদে চাস্য সমাম্নাতং শতরুদ্রিয়মুত্তমম্। নাম্না চানন্তরুদ্রেতি হ্যুপস্থানং মহাত্মনঃ ॥১৯॥

মাগী মঙণবু লোইনা শরণা চৎমোই ॥১০॥ কল্লবা গ্রহনা আক্রমণ তৌগ্রবস্থ, পাপ মথল মথম চঙগ্রবস্থ কনাগুম্বা অমনা মহাদেবদা হায়জয়বদি-চঙজয়বদি হেক্ত মকোকই। মহাক্না পেনবিগ্রবদি দোষ দনা য়ায়া লৈগ্রবস্থ মহাকপু নাহ্যোক্হল্লি ॥১১॥ মহাক্না মীওইবগী পুনসি নাদরেক্তবা, ঐশ্বর্য্য সম্পত্তি পুম্নমক পীবি। মতমগী মতুংইন্না মখোয়গুম্ব মহাক্না অমুক লৌশল্লি ॥১২॥ মহর্ষিশিংনা হায়নৈ ঃ- ইন্দ্রনচিংবা দেবতাশিংগী মথক্তস্থ মহাকী প্রভাব [শক্তি] য়ায় কয় লৈ। মহাক্না জগৎকী মঙ্গল অমঙ্গল পুম্বা শীল্লিবনি ॥১৩॥

মহাদেব হায়বদো মহাক্না শীনীগুবা দান মখৈ পীবদা ঈশ্বর ওই—হায়বদি গুম্মি হায়হুনা "ঈশ্বর" হায়রগা মহাক্পুদা খঙ্নগ্নে। পঞ্চমহাভূতগী ঈশ্বরনি হায়হ্না মহাক্পু জগৎনা মহা+ ঈশ্বর—মহেশ্বর হায়না খঙনগ্রবনি, অদুগা মহাক্কি অবকাশনচিংবা মশক [শকলোন] ময়াম্ অসি পুম্নমা বিশ্বজগৎ অসিদা শিন্থ্নেনা লৈরিবনি—॥১৪॥ মহাদেবগী মচীল অমনা সমুদ্র ঈমায়দা তাক্ল-থোকলুবদগী অদুগা ঈশিংগী মশক লৌরবা হবিষ অদু খল্লবদগী হৌজিক কাওবা "বড়বমুখ" হায়রগা মহাদেবমু খঙনম্মি ॥১৫॥ মহাদেবদি সুমিৎ চুম্ন মোংকমতদা লৈ। অদুনা তাইবং মীনা অকন্বগী মকম্ মোংকম অদুদা চৎলগা মহাদেবগী পূজা তৌনৈ ॥১৬॥ মহাদেবগী লাংলবা অকিব অতকপগী মশক ওইরবা শকলোন কয়া লৈরি। অদুগুম্বা শক্লোন্শিং অদুমু মীওইবনা মানা মানা পাময়বগী মতুংইন্না তোঙান তোঙান পূজা তৌনরি ॥১৭॥ মহাক্না তৌ-থোয়দ্রপা মতীক্ মঙণ থৌনাগী থবক্ কয়া কয়াগী মতুংইন্না মাগী মমিংবু জগৎ-শক্ত পোয়রি ॥১৮॥ চতুর্বেদগী মতাং অমদা মহাদেবগী মতীক মঙণ মথৌনাগী বর্ণন তৌবা ওইনা "শতরুদ্রিয়" হায়বা অধ্যায় অমা লৈরিবনি। অদুগুম্বা মহাত্মা ওইরবা মহাদেবগী "অনন্তরুদ্র" অমুম্ হায়না

স কামানাং প্রভুর্দেবো যে দিব্যা যে চ মানুষাঃ স বিভুঃ স প্রভুর্দেবো বিশ্বং ব্যাপ্নোতি বৈ মহৎ ॥১০০
জ্যেষ্ঠভূতং বদন্ত্যেনং ব্রাহ্মণা মুনয়স্তথা। প্রথমো হ্যেষ দেবানাং মুখাদস্যানলোঽভবৎ ॥১০১
সর্ব্বথা যৎ পশূন্ পাতি তৈশ্চ যদ্রমতে পুনঃ। তেষামধিপতির্যচ্চ তস্মাৎ পশুপতিঃ স্মৃতঃ ॥১০২
নিত্যেন ব্রহ্মচর্য্যেণ লিঙ্গমস্য যদা স্থিতম্। মহয়ত্যেব লোকাংশ্চ মহেশ্বর ইতি স্মৃতঃ ॥১০৩
ঋষয়শ্চৈব দেবাশ্চ গন্ধর্ব্বাপ্সরসস্তথা। লিঙ্গমস্যার্চ্চয়ন্তি স্ম তচ্চাপ্যূর্দ্ধং সমাস্থিতম্ ॥১০৪
পূজ্যমানে ততস্তস্মিন্ মোদতে স মহেশ্বরঃ সুখী প্রীতশ্চ ভবতি প্রহৃষ্টশ্চৈব শঙ্করঃ ॥১০৫
যদস্য বহুধা রূপং ভূতভব্যভবস্থিতম্। স্থাবরং জঙ্গমঞ্চৈব বহুরূপস্ততঃ স্মৃতঃ ॥১০৬
একাক্ষো জাজ্বলন্নাস্তে সর্ব্বতোঽক্ষিময়োঽপি বা। ক্রোধাদ্যশ্চাবিশল্লোকাংস্তস্মাৎ সর্ব্ব ইতি স্মৃতঃ ॥১০৭
ধূম্ররূপঞ্চ যত্তস্য ধূর্জ্জটিস্তেন চোচ্যতে। বিশ্বে দেবাশ্চ যত্তস্মিন্ বিশ্বরূপস্ততঃ স্মৃতঃ ॥১০৮
তিস্রো দেব্যো যদা চৈনং ভজন্তে ভুবনেশ্বরম্। দ্যামাপঃ পৃথিবীং চৈব ত্র্যম্বকস্ত ততঃ স্মৃতঃ ॥১০৯

থওনবা উপাসনা মন্ত্রদুস্থ যোগী ঋষিশিংনা জপ তৌনরি ॥৯৯॥ স্বর্গলোক অমদি মর্ত্ত্যলোক্তা লৈরবা মী লাই খুদিংমক্না পামজক্রবা-নিজকবা পোৎ খুদিংমক মহাদেবনা দান তৌব ঙম্মি। মহাক্না বিশ্বজগৎ অসিগী নিয়ম তৌবা-ঙাক্শেনবা ওইনা মকম্ পুম্বদা শীচ্চনা লৈরি ॥১০০॥ ব্রহ্মজ্ঞান লৈবশিংনা অমগ মুনিঋষিশিংনা মহাকপু খ্বাইদগী অহল ওইবা লাইনি হায়রৈ। মরমদি মহাক্না দেবতা পুম্নমক্কী অথোইবা ওইনা লৈরি; অমগা মহাক্কী মচৌদগী অগ্নি [মৈ] পোক্-খিবনি ॥১০১॥ জগৎকী পশু (শ) পুম্নমক্পু মহাদেবনা ঙাক্শেন্নি, শাশিংগী মরক্ত লৈরগদবা মহাক্কী গুংঙাইবা ওই; অদুনা মহাকপু পশুপতি হায়নখিবসিনি ॥১০২॥ অশিংবা মীনা ব্রহ্মচারী ওইদুনা শিবালিঙ্গী পূজা তৌনায়। অদুগা মীশিংমু-মহাক্না সম্মান তৌবি। অদুমক্না মহাক্ মহেশ্বর ওইনা লৈরি ॥১০৩॥ ঋষিশিংনা, লাইশিংনা অমগা গন্ধর্ব্ব-অপ্সরাশিংনসু মহাক্কী লিঙ্গবু পূজা তৌনরি। মরম্দি লিঙ অদুনা খ্বাই পুম্নমক্কী মথক থোংনা লৈরিবনি ॥১০৪॥ অদিদি লায়রদনা শিবলিঙ্গবু নীঙথিনা নিয়ম কায়দনা পূজা তৌরবদি মঙ্গল পীনহৈবা মহেশ্বরনা য়াম্না পেন্নরি, হরাউ-নুঙাইরি ॥১০৫॥ ভূত ভবিষৎ বর্ত্তমান কাল অহুম্মক্ত অচম্ভত লৈরিবা পোৎ পুম্নমক্কী মূর্ত্তিসি মাগীনি, মরম অদুনা মাবু "বহুরূপী" হায়বগনু থওনৈ ॥১০৬॥ মহাদেবদি কুন্নি করিগুম্ব মতমদা মিৎ নামতনু পাল্লি কন্নি করিগুম্বা মতমদনু মায়গী পুম্বদা অশিংবা মমীং লাকুশমদবা মীৎ পাল্লি। মতম অদুদা মশাপুম্ব পুম্নমক্ জংঙি। অদুৎ পুম্বদু লাংগ্রাব তৌবা মতমদা পোৎ পুম্ব [সর্ব্ব]দা মহাক্না রুদ্রমূর্ত্তি লোম্নুনা চংশিল্লি। অদুনা মহাকপু "সর্ব্ব" হায়নসু থওনৈ ॥১০৭॥ করিগুম্ব মতমদা উৎ মচু য়াল্লি, অদুনা মহাকপু ধূর্জ্জটি হায়বগসু থওনৈ। বিশ্বজগৎকী লোক-দেবতা পুম্নমক্ মতোম্ব দুংদুনা লৈবদগী মহাকপু বিশ্বরূপ হায়নসু কৌবে ॥১০৮॥ আকাশ-ঈশান-পৃথিবী অহুম অসিনা জগদীশ্বর ওইবা মহাক্কী লেবা তৌই হায়দুনা মহাকপু

সমেধয়তি যন্নিত্যং সর্ব্বার্থান্ সর্ব্বকর্ম্মসু। শিবমিচ্ছন্ মনুষ্যাণাং তস্মাদেষ শিবঃ স্মৃতঃ ॥১১০॥
সহস্রাক্ষোঽযুতাক্ষো বা সর্ব্বতোঽক্ষিময়োঽপি বা। যচ্চ বিশ্বং মহৎ পাতি মহাদেবস্ততঃ স্মৃতঃ ॥১১১॥
দহত্যূর্দ্ধং স্থিতো যচ্চ প্রাণোৎপত্তিস্থিতশ্চ যৎ। স্থিতলিঙ্গশ্চ যন্নিত্যং তস্মাৎ স্থাণুরিতি স্মৃতঃ ॥১১২॥
ঊর্ম্মীলতাভ্যাং নেত্রাভ্যাং বলাদ্দেবো মহেশ্বরঃ। ললাটে নেত্রমসৃজত্তেন ত্র্যক্ষ ইতি স্মৃতঃ ॥১১৩॥
এষ দেবো মহাদেবো যোঽসৌ পার্থ! তবাগ্রতঃ। সংগ্রামে শাত্রবান্ নিঘ্নংস্ত্বয়া দৃষ্টঃ পিনাকধৃক্ ॥১১৪॥
সিন্ধুরাজবধার্থায় প্রতিজ্ঞায় ত্বয়ানঘ!। কৃষ্ণেন দর্শিতঃ স্বপ্নে যস্তু শৈলেন্দ্রমূর্দ্ধনি ॥১১৫॥
এষ বৈ ভগবান্ দেবঃ সংগ্রামে যাতি তেঽগ্রতঃ। যেন দত্তানি তেঽস্ত্রাণি যৈস্ত্বয়া দানবা হতাঃ ॥১১৬॥
ধন্যং যশস্যমায়ুষ্যং পুণ্যং বেদৈশ্চ সম্মিতম্। দেবদেবস্য তে পার্থ! ব্যাখ্যাতং শতরুদ্রিয়ম্ ॥১১৭॥
সর্ব্বার্থসাধনং পুণ্যং সর্ব্বকিল্বিষনাশনম্। সর্ব্বপাপপ্রশমনং সর্ব্বদুঃখভয়াপহম্ ॥১১৮॥
চতুর্ব্বিধমিদং স্তোত্রং যঃ শৃণোতি নরঃ সদা। বিজিত্য শত্রূন্ সর্ব্বান্ স রুদ্রলোকে মহীয়তে ॥১১৯॥

"ত্র্যম্বক" [ত্রি+অম্বক] হায়নস্থ কৌনৈ ॥১০৯॥ জীব পানবা পুম্নমক্কী মঙ্গল [শিব] গী থবক্ তৌই, অদুগা ইথয় পুম্নমকপু চাওখৎহল্লি হায়বগীদমক মহাকপু "শিব" [মঙ্গল] হায়নস্থ কৌই ॥১১০॥ মহাক্না মমীৎ লিশং অম পান্দুনা, লিশংতরাবু পান্দুনা অদুগা অমুকস্থ মাদুদগী হেন্না পান্দুনা। পাক চাউরবা বিশ্বজগৎ অসিবু ঙাকশেনবদগী "মহাদেব" হায়বস্থ ওইরবনি ॥১১১॥ মহক্না মথং কৌহনা, পুম্নমক্কী মশক লৌহনা নোংমদোঙ্কু লৈহনা জগৎ পুম্নবু চাকহন্-ঙাক্লহন্বদগী অদুগা অচম্বা পুম্নগী পোকপমদাইদা মহাক্না হয় মাওঙোননা লৈবদগী অমদি মহাকী লিঙ্গ [খুদম্] না মকম্ পুম্নদা লীহৌনা লৈবদগী "স্থাণু"—[স্থান পুম্নদা লৈবা] হায়না কৌনৈ ॥১১২॥ মহাক্না মহাকী নয়ন অনী ওনথত্তুনা য়েংবদা মাদুগী তেঙ্গদগী অহুমশুবা নয়ন অম পীথোক অনীগী কারক্না চেংথোকহনাখবদগী মহাকপু "ত্রিলোচন" [মীৎ অহুম পানবা] হায়না খঙনাখ ॥১১৩॥ পৃথানন্দন! নংনা ওস নংগী নমাঙ্দা নহাকী য়েক্নবশিং হাৎলিবা মীশক অম উথবদো—অদু নত্তে—মহাদেবনি— ॥১১৪॥ পাপকী শক্রক্ য়াওদ্রবা অর্জ্জুন! নংনা জয়দ্রথ হাৎকে হায়না য়াশকাখবগী আমংদা মচদা কৃষ্ণনা চীঙথক্ত মূর্ত্তি অমবু নঙোন্দা উহন-খিবদো অদু নত্তে, মহাদেবান ॥১১৫॥ অর্জ্জুন! মথাঙদা নংনা দানবশিংবু হাৎপা মতমদা খুৎলায় ময়ামবু মহাক্না নঙোন্দা উহনাখ। অদুওবা ভগবান মহাদেবনা অশ্বথামাগী মাঙ্গদা নমাঙদা লৈহনা শোক্লাবাখবান ॥১১৬॥ পৃথানন্দন! তাবদা পুণ্য চেন্নবগী মশক ওইরবা, মিংচৎ-পুনশি চাওখৎহনবগী মশক ওইরবা, বেদগী মন্ত্র অমমমগা মান্না শেংলবা মহাদেবগী মতীক মগুণ থাগৎপগী মশক ওইরবা "শতরুদ্রিয়" বেদগী মতাং মহ নঙোন্দা লীহনা তাহল্লবাসিনি ॥১১৭॥ "শতরুদ্রিয়" হায়বা মতাং অসিগী শ্রবণ তৌবনা পুণ্য পোকহল্লি থওনা থওনা তৌকবা পাপ মুথৎ কোকহল্লি, অয়াবা দুঃখদাংবীবা থিবিকপুং মাওহল্লি ॥১১৮॥ অদুগা মী মহাক অদুনা

চরিতং মহাত্মনো দিব্যং সাংগ্রামিকমিদং তথা। পঠন্ বৈ শতরুদ্রীয়ং শৃণ্বংশ্চ সততোত্থিতঃ ॥১২০॥
ভক্তো বিশ্বেশ্বরং দেবং মানুষেষু তু যঃ সদা। বরান্ কামান্ স লভতে প্রসন্নে ত্র্যম্বকে নরঃ॥১২১॥
গচ্ছ যুধ্যস্ব কৌন্তেয়। ন তবাস্তি পরাজয়ঃ। যস্য মন্ত্রী চ গোপ্তা চ পার্শ্বতস্তে জনার্দনঃ ॥১২২॥

সঞ্জয় উবাচ।

এবমুক্ত্বার্জ্জুনং সংখ্যে পরাশরসুতস্তদা। জগাম ভরতশ্রেষ্ঠ। যথাগতমরিন্দম। ॥১২৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং দ্রোণপর্ব্বণি নারায়ণাস্ত্রমোক্ষে ব্যাসার্জ্জুনসংবাদে শতরুদ্রিয়ে সপ্তাধিকশততমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥ *

সমাপ্তশ্চেদং দ্রোণপর্ব্ব

মথল মহিগী শতরুদ্রিয়গী মতাং অসিগু শোক্লমবদি নত্রগা ঞবণ তৌজরবদি মেরুখা পুম্বু শুয়গা মহাক অহু রুদ্রলোকপু লায়না কংবা ওন্নি ॥১১৯॥ মায় পুক্লীং চঙনা বিথি কায়দনা মহাদেবগী অসিগুখা লালগী মময় ওইবা অওকপা শতরুদ্রিয় হায়বা চরিত্র অসিগু পুক্লীং চঙনা তাজরবদি মহাক ঈশ্বোয় শোয়দনা রুদ্রলোক চৎথি ॥১২০॥ মীওইবগী মথুংদা বিশ্বেশ্বর মহাদেবগী মকমদা ভক্তি চৈনবা মী মহাক অদুদি মহাদেবনা পেনবিথিবদগী নীওজবা পুম্বা কংতি ॥১২১॥ কুন্তীনন্দন। অদুগা লাল শোকনৌ, নহাক মায়ইথোব। থক ওইরোই। মরমদি জনার্দন গোবিন্দ মশামক্তা নহাকী মন্ত্রী অমদি সারথি ওইদুনা ননাক্তা হৌজিক লৈরি ॥১২২॥ সঞ্জয়না হায়:—মেরুব ঙঙা ভরত শাগৈগী অথোইবা। নত্তৌ অসুম্না বেদব্যাসনা লালকমদা অর্জ্জুনদা ফাজিংদি হায়রগা হয় লাকপা মকম অদুদা অমুক হনথি ॥১২৩॥

মসমু অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা দ্রোণ-পর্ব্বদা, নারায়ণাস্ত্রমোক্ষদা, ব্যাসানসংবাদ মতাংদা "শতরুদ্রিয়" দা চামহুক তরাশুবা অধ্যায় লোইরে ॥

দ্রোণপর্ব্বসু মাসিদা লোইরে ॥
মণিপুরী মহাভারতকী দ্রোণপর্ব্বসু মতাং অসিদা লোইরে।
॥ হরিঃ ওঁ তৎসৎ ॥

ওঁ

শ্রীমহাভারতম্

কর্ণপর্ব্ব

প্রথমোঽধ্যায়ঃ ।

অহানবা অধ্যায়ঃ

(কর্ণপর্ব্ব সঞ্জয়গা ধৃতরাষ্ট্রগা ওান্তনবা)



নারায়ণং নমস্কৃত্য নরঞ্চৈব নরোত্তমম্
দেবীং সরস্বতীঞ্চৈব ততো জয়মুদীরয়েৎ ॥০॥

---

* পর্ব্বগী মতুংইন্ন হন্ব অর্থ :— মপাম্নোংগী হকচাংতনা ব্রাহ্মণ-ক্ষত্রিয়-বৈশ্য-শূদ্র, লায়রবা, ইনাকখুন্‌বা কজবা অথীবা শাহুনা মর্ত্ত্যলোকত লাকৃপা জীব [নর-নার] পুম্নমকী ফুংনকম্ হৌয়কৃকম ওইবা নারায়ণ [নার+অয়ন] বু, অদুগা ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয় বৈশ্য শূদ্রনু নত্তবা জীব মানা তৌথি তৌথিবা কর্ম্মগী মতুংইন্না শাগে জাৎ অকবদা পোকন্নবন্নু সমাজদা কত্তব ওইনা শীওখানহন্‌বা জীবনা মশাগী মায়াদা চঙহুনা মশামকী গুণ শক্তিবু কাউথোকচগুনা অয়বদ শান্নরিবা নর [জীবাত্মা] মাবুসু, অদুগা স্বরস্বতী কৌবী লাইরেম্বীবুসু খুরমজহুনা অদুগী তুংদা জয় হায়বা শব্দ অসি উচ্চারণ তৌরগ মথা শকথঙ্গগদবনি। কর্ণদি অচৌবা শাগৈদা স্বর্গীয় শক্তি অমদগী পোকখিবনি। অদুবু, মহাক্না মর্ত্ত্যদা তৌখিবা কর্ম্মগী দোষনা শূদ্র কৌহন্দুনা পুনশি চুম মপুনশি লেনখি। মাদুসু জীব মহাক্না মশাগী মরাদা চঙহুনা মশামথন্তবু কনাবো হায়বদু কাউথোকচহুনা জীবাত্ম মহাক্না নর [জীব] লীলা শান্নবত্তনি। শ্লোক অসিগী তাৎপর্য্যাদি :—মায়াদা চঙহুনা মশামথন্তবু কাউজওব নরবু অদুগা মায়াগী হাংমদা লৈহুনা জীব লীলাবু য়েংহুনা মশামথন্ত আত্মারাম ওইনা লুংঙাইজরিবা নারায়ণবুসু খুরমুজে অসিত্তনি। মঙ্গলাচরণ অসি পর্ব্ব খুদিংগী মকোক্ত লাকই। হয় হয় লাক্লবসু পর্ব্ব পর্ব্বগী মতুংইন্না অর্থ তোঙান তোঙান হায়গদবনি হায়বসি খাত্তিমত [লনাইগী মত] নি।

বৈশম্পায়ন উবাচ।

ততো দ্রোণে হতে রাজন্! দুর্য্যোধনমুখা নৃপাঃ। ভৃশমুদ্বিগ্নমনসো দ্রোণপুত্রমুপাগমন্ ॥১॥

তে দ্রোণমনুশোচন্তঃ কশ্মলাভিহতৌজসঃ। পর্য্যুপাসন্ত শোকার্ত্তাস্ততঃ শারদ্বতীসুতম্ ॥২॥

তে মুহূর্ত্তং সমাশ্বস্য হেতুভিঃ শাস্ত্রসম্মিতৈঃ। রাত্র্যাগমে মহীপালাঃ স্বানি বেশ্মানি ভেজিরে ॥৩॥

তেষু বেশ্মসু কৌরব্য! পৃথ্বীশা নাপ্নুবন্ সুখম্। চিন্তয়ন্তঃ ক্ষয়ং তীব্রং ন নিদ্রাঞ্চোপলেভিরে ॥৪॥

বিশেষতঃ সূতপুত্রো রাজা চৈব সুযোধনঃ। দুঃশাসনশ্চ শকুনির্ন নিদ্রামুপলেভিরে ॥৫॥

সহিতাস্তাং নিশাং তে তু দুর্য্যোধননিবেশনে। চিন্তয়ন্তঃ পরিক্লেশান্ পাণ্ডবানাং মহাত্মনাম্ ॥৬॥

(যুগ্মকম্)

যত্তে দ্যূতপরিক্লিষ্টাঃ কৃষ্ণা চানায়িতা সভাম্। তৎ স্মরন্তোঽন্বতপ্যন্ত ভৃশমুদ্বিগ্নচেতসঃ ॥৭॥

তথা তেষাং চিন্তয়তাং তান্ ক্লেশান্ দ্যূতকারিতান্।
দুঃখেন ক্ষণদা রাজন্! জগামাব্দশতোপমা ॥৮॥

ততঃ প্রভাতসময়ে স্থিতা দিষ্টস্য শাসনে। চক্রুরাবশ্যকং সর্ব্বে বিধিদৃষ্টেন কর্ম্মণা ॥৯॥

বৈশম্পায়ননা হায়ঃ—মহারাজ! জনমেজয়! দ্রোণ শিপ্রবা তুংদা অশ্বত্থামাগী নারায়ণাস্ত্রগী মৈনম্না মুংপ্রবদা দুর্য্যোধননচিংবা কৌরবশী অকন্‌বশিং অসি তৌকম্ খঙদহ্ননা য়াম্ন লাঙতক্লনা অশ্বত্থামাগী নাক্ত চঙশিন্‌খি ॥১॥ তৌভম্ খঙদহ্ননা শুমহৎখিবন। দ্রোণ লৈখিদবগী অরাবহ্ন কোঙ-দোক্ত্‌না য়াম্ন য়ানা অশ্বত্থামাগী নাক্ত চঙশিনখিহ্ননা আশ্রয় লৌখি ॥২॥ অহুগী তুংদা নিংথৌ লাম্মীশিং অহ্ননা, থোক্‌প্রিবা থবক পুম্বা শাস্ত্রনা লেপ্নখিরা নিয়ম অমদি মাহুগী মহৈদগী থোক-খিবা ভাক্‌নি অস্ত্রম্ হায়না খক্তনখিহ্ননা মশা মশাবু থেম্‌জিনজহ্ননা মাগী মাগী লাঙ্‌থংদা হল্লিরখি ॥৩॥ কৌরব নন্দন, মহারাজ! নিংথৌ লাম্মীশিং অহু মশীং লাকৃতম্‌দনা মী ময়াম্ শিখিবহুগী চিন্তা তৌন তৌন চৎখিবহ্ননা মাগী মাগী মরমদস্থ থোইনা অঙীংবা পোথাবা কংখিদ্রে। অহিং চুপ্পা তুম্ব ফানখিদে ॥৪॥ মখোয়হুগী মনুংদা অমুক বিকায ওইনা, দুর্য্যোধন, দুঃশাসন, কর্ণ, শকুনি মখোয়সিনা অমত ওইনা পুনশিন্নহ্ননা পুক্‌চেল চাউরবা পাণ্ডবশিংগী মাঙননবা য়া ভানহ্ননা অহিং অহুমা মখোয়শিংশি দুর্য্যোধনগী য়ুম্ [লান্‌শং] দা মীৎ কপ্পা অমত উইশিনবা য়াদনা লেম্নখি ॥৫—৬॥ অহুবৈ দ্রৌবর সভাদা পাণ্ডবশিংদা মখোয়না তৌখিবা নমথাক্, দ্রৌপদীদা অয়াবা ঊকায়বা পীখিবা অসি পুন্নমক্ নীঙশিঙলুংদা মখোয় পুম্বা অনুতাপকী মৈনা চাক্‌লকলে। মথা তানিতাই লৈতনা লাঙতয়রক্লে ॥৭॥ মহারাজ! পাণ্ডবশিংগী মকমদা চোবরদা তৌখিবা নমথাক্ অমদি অত্যাচার পুম্বহ্ন নীঙশিংলুবদা দুর্য্যোধন দুঃশাসনচিংবশিং অহু অহিং অহুমা লেনবহ্ন চহী চাক লেনবহু মতামগে ॥৮॥ অহুদগী উচিন্নাচিন্না অহিং অহুমা লেনবদা, ময়ায়বক্ত নীঙহুরবা

তে কৃত্বাবশ্যকার্য্যাণি সহায়াস্ত চ ভারত। যোগমাজ্ঞাপয়ামাসুর্যুদ্ধায় চ বিনির্যযুঃ ॥১০॥
কর্ণং সেনাপতিং কৃত্বা কৃতকৌতুকমঙ্গলাঃ। বাচয়িত্বা দ্বিজশ্রেষ্ঠান্ দধিপাত্রঘৃতাক্ষতৈঃ ॥১১॥
নিষ্কৈর্গোভির্হিরণ্যেন বাসোভিশ্চ মহাধনৈঃ। বন্দ্যমানা জয়াশীর্ভিঃ সূতমাগধবন্দিভিঃ ॥১২॥

(বিশেষকম্)

তথৈব পাণ্ডবা রাজন্। কৃতপূর্ব্বাহ্ণিকক্রিয়াঃ। শিবিরান্নির্যযুস্তূর্ণং যুদ্ধায় কৃতনিশ্চয়াঃ ॥১৩॥
ততঃ প্রববৃতে যুদ্ধং তুমুলং লোমহর্ষণম্। কুরূণাং পাণ্ডবানাঞ্চ পরস্পরজয়ৈষিণাম্ ॥১৪॥
তয়োর্দ্বিদিবসং যুদ্ধং কুরুপাণ্ডবসেনয়োঃ। কর্ণে সেনাপতৌ রাজন্। বভূবাতীবদারুণম্ ॥১৫॥
ততঃ শত্রুক্ষয়ং কৃত্বা সুমহান্তং রণে বৃষঃ। পশ্যতাং ধার্ত্তরাষ্ট্রাণাং ফাল্গুনেন নিপাতিতঃ ॥১৬॥
ততস্তৎ সঞ্জয়ঃ সর্ব্বং গত্বা নাগপুরং প্রতি। আচষ্ট ধৃতরাষ্ট্রায় যদ্বৃত্তং কুরুজাঙ্গলে ॥১৭॥

জনমেজয় উবাচ।

আপগেয়ং হতং শ্রুত্বা দ্রোণঞ্চাপি মহারথম্। জগাম পরমামার্ত্তিং বৃদ্ধো রাজাম্বিকাসুতঃ ॥১৮॥

লান্মা শিন্নু তম্ব্রবা অকন্‌বশিং অসি প্রাতঃকালগী সন্ধ্যাবন্দনচিংবা নিত্যকর্ম্ম পুম্ব লোইনখি ॥৯॥ ভরত নন্দন মহারাজ! অদুগী তুংদা দুর্য্যোধনচিংবশিংনা নিত্যকর্ম্ম পুম্ব লোইরবা তুংদা লান্মী মুয়াম্বু থেম্‌জিল্‌-পেল্‌হন্দুনা মখোয়বু লালগীদমক্ শেম্‌শানবা য়াথং পীখি। মখোয়না কর্ণবু সেনাপতি হাপ্তুনা, কুশৈ-কিয়োং হয়াওতয়াম্বা পুম্ব তৌরগা, অদুগী তুংদা ঘী শঙোম্, শঙোম্ মপান, সনা লুপা লীকোলনচিংবা মমল য়াম্ন য়াম্নবা পোচ্চেনা দান তৌদুনা ব্রাহ্মণশিংবু আশীর্ব্বাদ-স্বস্তিবাচননচিংবা তৌহল্লগা, অদুদগী; সূত-মাগধ বন্দিনচিংবা লৈশি-লৈথোল্ শৈরেং শকপশিংগী জয়ধ্বনি-আশীর্ব্বাদকী খোঞ্জেল্লা তরাম্‌-তরাম্ ওক্‌হন্দুনা লান্মী ময়াম্ অদু মাগী মাগী লালশংদগী যাত্রা তৌরকলে ॥১০—১২॥ মহারাজ! মতৌ অদুম্না, আসোম্‌দসু, পাণ্ডব লান্মীশিংনা প্রাতঃস্নাননচিংবা পূর্ব্বাহ্নিক নিত্যকর্ম্ম পুম্ব লোইরব তুংদা মাগী মাগী লালশঙদগী রণযাত্রা তৌরকলে ॥১৩॥ অদুদগীদি অমনা অমবু জয় তৌগে খল্লবা কৌরব পাণ্ডব পক্ষ অনীগী লান্মীশিংনা অকিবা তুজুংবা লোল্লা লাম্থেংনবা হৌখি ॥১৪॥ মহারাজ! কর্ণনা সেনাপতি ওইরবা তুংদা পক্ষ অনীমক্কী মরক্তা নুমিৎ নীনি চুপ অকিবগী মশক্ ওইরবা লাল্লাও অমা থোকখি ॥১৫॥ নুমিৎ নীনি চুপ য়াম্ন কল্লা লাম্থেংনদুনা য়েক্লবা লান্মী কয়া কয়াবু হাৎলরব তুংদা কর্ণ অসি কৌরব লান্মীশিংগী মমাঙমক্তদা অর্জ্জুনগী মখুত্তা মথরাই থাখি ॥১৬॥ অদুগী তুংদা সঞ্জয়না হস্তিনাপুর তায় চৎখিদুনা কুরুক্ষেত্রদা থোকখিবা লাল্লাওদুগী মরমদা ধৃতরাষ্ট্রদা মথংশিংনা তশাইনা পীখি ॥১৭॥ বৈশম্পায়নগী ৱাসি তাবদা রাজা তাদিবা জনমেজয়না হায়খিঃ— মুনি!

স শ্রুত্বা নিহতং কর্ণং দুর্য্যোধনহিতৈষিণম্। কথং দ্বিজবর! প্রাণানধারয়ত দুঃখিতঃ ॥১৯॥
যস্মিন্ জয়াশাং পুত্ত্রাণামমন্যত স পার্থিবঃ। তস্মিন্ হতে স কৌরব্যঃ কথং প্রাণানধারয়ৎ ॥২০॥
দুর্ম্মরং তদহং মন্যে নৃণাং কৃচ্ছ্রেঽপি বর্ত্ততাম্। যত্র কর্ণং হতং শ্রুত্বা নাত্যজজ্জীবিতং নৃপঃ ॥২১॥
তথা শান্তনবং বৃদ্ধং ব্রহ্মন্! বাহ্লীকমেব চ। দ্রোণঞ্চ সোমদত্তঞ্চ ভূরিশ্রবসমেব চ ॥২২॥
তথৈব চান্যান্ সুহৃদঃ পুত্ত্রান্ পৌত্ত্রাংশ্চ পাতিতান্।
শ্রুত্বা যন্নাজহাৎ প্রাণাংস্তন্মন্যে দুষ্করং দ্বিজ! ॥২৩॥ (যুগ্মকম্)
এতানি সর্ব্বাণ্যাচক্ষ্ব বিস্তরেণ যথাতথম্। ন হি তৃপ্যামি পূর্ব্বেষাং শৃণ্বানশ্চরিতং মহৎ ॥২৪॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

হতে কর্ণে মহারাজ! নিশি গাবল্‌গণিস্তদা। দীনো যযৌ নাগপুরমশ্বৈর্বাতসমৈর্জবে ॥২৫॥
স হাস্তিনপুরং প্রাপ্তো ভৃশমুদ্বিগ্নমানসঃ। জগাম ধৃতরাষ্ট্রস্য ক্ষয়ং প্রক্ষীণবান্ধবম্ ॥২৬॥
সমুদ্বীক্ষ্য স রাজানং কশ্মলাভিহতৌজসম্। ববন্দে প্রাঞ্জলির্ভূত্বা মূর্দ্ধ্না পাদৌ নৃপস্য হ ॥২৭॥

মহারথী ভীষ্ম-দ্রোণ অনীনা তুখিবগী পাউসি তাবদা অহল ওইরবা ধৃতরাষ্ট্র নিংথৌ অহু থোই-দোক্না মুংঙাইখিত্রবনি ॥১৮॥ ব্রাহ্মণ অখোইবা! অহৃগী মথক্ত অমুক্, দুর্য্যোধনগী অকবত্ত থন্নবা কন্নবা কর্ণ লৈখিত্রে হায়বসি তাবদা ধৃতরাষ্ট্রদো মতৌ কয়ম মথবাই পুহনা লৈখিবগে? ॥১৯॥ মচাশিংগী আশা পুম্ব অকনবা কর্ণ হায়বহনী মথক্ত নন্দুনা লৈখিবনি; অচপ্তব কর্ণনা তুপ্রে হায়বসি তাবদা মতৌ কয়ম অহল ওইরবা নিংথৌ অহাদ হিংহুনা লৈরি? ॥২০॥ অহনা ঐনা অসুম খন্‌বরু—তাইবং জীবগী অমদি মীওইবগী থবাই অ স কনয়াম অরাব, মুংঙাইতবগী অবস্থা ঘোরবকাওবদসু হকচাংদগী পাক্ হেক থোক্‌থদ মাস্নে। মাসগী খুদম্ হায়বরু কর্ণ শিরে হায়বা তারবদা ধৃতরাষ্ট্রনা হৌজিক কাওবা হিংহুনা লৈরবসে আসনি ॥২১॥ ব্রাহ্মণ! বৈশম্পায়ন অহল ওইরবা, ভীষ্ম, বাহলীক, দ্রোণ, সোমদত্ত, ভূরিশ্রবা অমদি অসি নত্তবা মচা মপু কয়া কয়া শিগ্রে হায়বসি তারকাওবদা ধৃতরাষ্ট্রনা হৌজিক কাওবা মথবাই পুহনা লৈরিবসে—মসিমক্ কন য়াম্ন ওকপা অরুব থবক্ অমনি ॥২২—২৩॥ কয়ে অহৎভাবরে মহর্ষি! হৌজিক থোকখিবা থৌদোক্ পুম্বা মকোক্তগী শন্দোক্ন অমুক্ লাবিরো। মরম্'দ, ঐ, মমাহৈগী যুগকী অহল্‌শিংগী মপুনশিংগী বারী অসি তাবদা পেনবা মরৈখিত্রে ॥২৪॥ বৈশম্পায়ননা হায়ঃ—মহারাজ! কর্ণ হাৎখিবসিদা রাবনা চিন্‌বান থক্ থক্ কংলবা সঞ্জয় অ স ব পুন্নক ধৃত-রাষ্ট্রদা তম্‌গে হায়বগীদমক থুন য়াঙনা, মুংশৎকী মমাঙ থানা চেন্‌বা শগোয়চিংলবা মথ অমদা তোংখৎহুনা, অহিংদা হাস্তিনাপুর তায় লাকুই ॥২৫॥ মহাক হস্তিনাপুর হেক্ য়োরবা য়ায় লাক্তরনা মুংঙাইতনা ধৃতরাষ্ট্রগী যুম্‌লোম্‌দা চত্তশিন্নখি। যুং অ সদ লৈরবা মচা মপু কয়া কয়াদি লান্দা শিপ্রবনি ॥২৬॥ মতম অসিদা ধৃতরাষ্ট্র অসি অরাব মুংঙাইতবা কয়ানা

সম্পূজ্য চ যথান্যায়ং ধৃতরাষ্ট্রং মহীপতিম্। হা কষ্টমিতি চোক্ত্বাস ততো বচনমাদদে ॥২৮॥
সঞ্জয়োঽহং ক্ষিতিপতে! কচ্চিদাস্তে সুখং ভবান্। স্বদোষৈরাপদং প্রাপ্য কচ্চিন্নাত্র বিমুহ্যসি ॥২৯॥
হিতান্যুক্তানি বিদুর-দ্রোণ-গাঙ্গেয়-কেশবৈঃ। ন গৃহীতান্যনুস্মৃত্য কচ্চিন্ন কুরুষে ব্যথাম্ ॥৩০॥
রাম-নারদ-কণ্বাদ্যৈর্হিতমুক্তং সভাতলে। ন গৃহীতমনুস্মৃত্য কচ্চিন্ন কুরুষে ব্যথাম্ ॥৩১॥
সুহৃদস্ত্বদ্ধিতে যুক্তান্ ভীষ্মদ্রোণমুখান্ পরৈঃ। নিহতান্ যুধি সংস্মৃত্য কচ্চিন্ন কুরুষে ব্যথাম্ ॥৩২॥
তমেবংবাদিনং রাজা সূতপুত্রং কৃতাঞ্জলিম্। সুদীর্ঘমুষ্ণং নিঃশ্বস্য দুঃখার্ত্ত ইদমব্রবীৎ ॥৩৩॥

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ।

আপগেয়ে হতে শূরে দিব্যাস্ত্রবতি সঞ্জয়!। দ্রোণে চ পরমেষ্বাসে ভৃশং মে ব্যথিতং মনঃ ॥৩৪॥
যো রথানাং সহস্রাণি দংশিতানাং দশৈব হ। অহন্যহনি তেজস্বী নিজঘ্নে বসুসম্ভবঃ ॥৩৫॥
স হতো যজ্ঞসেনস্য পুত্রেণেহ শিখণ্ডিনা। পাণ্ডবেয়াভিগুপ্তেন ভৃশং মে ব্যথিতং মনঃ ॥৩৬॥
(যুগ্মকম্)

অদুগা ঊত্তম্ তমহৎখিবনা কূচু কূমেন্ ঊথোক্ খোক্তনা, মশেক্ মঙাল ঊয়াও য়াওদনা লৈরম্মি। অদুম তৌনা লৈরিঙৈ তাঙ্গাহৈমক্তদা সঞ্জয় অসি ধৃতরাষ্ট্রগী উবদা মকোক্ নোম্মুনা চঙ-শিন্নুনা মকোক্কা ধৃতরাষ্ট্রগী চরণ শোক্কা খুরম্মি॥২৭॥ নিয়ম কায়দনা রাজব্যবহার তৌরগা নোঙ্কে খুমমুঙ্গনা হন্নোক্লগা "আঃ! অরাবনি!" অদুম্ হায়না রাহৌদোকতুনা হায়খি ॥২৮॥ মহারাজ! ননাই ঐ—সঞ্জয়নি। মঙল ওইবিরিনি। মহারাজগী ননাইগী দোষদগী কংবিবা অরাবনিনা মাদুদা খোইদোক্লা দুক্খাইতবা তমহৎপা লৈরবোই হায়না খঙ্গে ॥২৯॥ মহারাজ! মমাঙৈদা বিদুর, দ্রোণ, ভীষ্ম, অমদি কৃষ্ণনা মহারাজগী ভুংগী কায়গদবা পাউতাক কয়া পীবিখি। মাদুবু মহারাজনা অমত লৌবিখিদে। মাদু পূম্বা নীঙশিংবিক্লরগা পূক্নীংদা খোইনা দুক্খাইতবা নীঙ্গমদককাদি লৈবিদেদনকো? ॥৩০॥ সভা তৌননবগী তায়বগী সভাদা পরশুরামনা, নারদনা অমদি কণ্বনচিংব ঋষি মুনি কয়ানা মহারাজগী ফননবগীদমক্ত কায় কায়রবা পাউতাক কয়া পীখি; অদুবু মহারাজনা অমতকাও খোয়দাবিখিদে। মাদু পূম্বা নীঙশিংবিক্লরগা হৌজিক অনুতাপ ককাদি তৌবি লাক্পিরিদনা? ॥৩১॥ মহারাজগী কমবত খন্‌বিরবা ভীষ্ম দ্রোণনচিংবন্ন য়েক্লবা কাবুনা লান্দা হাৎখ্রে। মাদু পূম্ব নীংশিংবিক্লরগা পূক্নীংদা দুক্খাইতবককাদি লৈবিরিবোই? ॥৩২॥ সঞ্জয়না নোঙ্কা খুৎ লোম্লুনা অদুম্বা হায়রকপা মতম অসিদা রাবমা দুক্খামগী শাংবা চুইনা হোম্মুনা সঞ্জয়দা হায়খি:—॥৩৩॥ সঞ্জয়! লাইগী খুৎলায়নক্ত হৈরবা কনবা ভীষ্ম অমদি দ্রোণ কৌবা মহারথী অনীমুনা লৈখিদবসিদা ঐগী থম্মোয়দা হায়কম্ খঙদনা অরাবা দুক্খাইতবা খাং পোক্‌খ্রে ॥৩৪॥ খোইদোক্ত তেজ লৈববা; বসু দেবতামক্তী শাম্নোন ওইরবা ভীষ্মনা নুমিৎ খুদিংগী লানবগদা ম্নী লিশিং তরা তরা হাৎখি। অদুবু অর্জুননা ঙাক্লো ওইরবা শিখণ্ডীনা

ভার্গবঃ প্রদদৌ যস্মৈ পরমাস্ত্রং মহাত্মনে। সাক্ষাদ্রামেণ যো বালো ধনুর্বেদ উপাকৃতঃ ॥৩৭॥
যস্য প্রসাদাৎ কৌন্তেয়া রাজপুত্রা মহারথাঃ। মহারথত্বং সংপ্রাপ্তাস্তথান্যে বসুধাধিপাঃ ।৩৮।
তং দ্রোণং নিহতং শ্রুত্বা ধৃষ্টদ্যুম্নেন সংযুগে। সত্যসন্ধং মহেষ্বাসং ভৃশং মে ব্যথিতং মনঃ ।৩৯।
(বিশেষকম্)

যয়োর্লোকে পুমানস্ত্রে ন সমোঽস্তি চতুর্বিধে। তৌ দ্রোণভীষ্মৌ শ্রুত্বা তু হতৌ মে ব্যথিতং মনঃ ।৪০।
ত্রৈলোক্যে যস্য চাস্ত্রেষু পুমান্ বিদ্যেত সমঃ। তং দ্রোণং নিহতং শ্রুত্বা কিমকুর্ব্বত মামকাঃ ॥৪১॥
সংশপ্তকানাঞ্চ বলে পাণ্ডবেন মহাত্মনা। ধনঞ্জয়েন বিক্রম্য গমিতে যমসাদনম্ ॥৪২॥
নারায়ণাস্ত্রে চ হতে দ্রোণপুত্রস্য ধীমতঃ। বিপ্রদ্রুতেষ্বনীকেষু কিমকুর্ব্বত মামকাঃ ॥৪৩॥
বিপ্রদ্রুতানহং মন্যে নিমগ্নান্ শোকসাগরে। প্লবমানান্ হতে দ্রোণে ছিন্ননৌকানিবার্ণবে ।৪৪।
দুর্য্যোধনস্য কর্ণস্য ভোজস্য কৃতবর্ম্মণঃ। মদ্ররাজস্য শল্যস্য দ্রৌণেশ্চৈব কৃপস্য চ ।৪৫।
মৎপুত্রস্য চ শেষস্য তথান্যেষাঞ্চ সঞ্জয়। বিপ্রদ্রুতেষ্বনীকেষু মুখবর্ণোঽভবৎ কথম্ ।৪৬।
(যুগ্মকম্)

এতৎ সর্ব্বং যথা বৃত্তং তত্ত্বং গাবল্গণে! রণে। আচক্ষ্ব পাণ্ডবেয়ানাং মামকানাঞ্চ বিক্রমম্ ।৪৭।

হাৎখ্রে। মাহুদস্থু ঐগী থম্মোয় অসি কায়খ্রবনি ॥৩৫—৩৬॥ পরশুরাম মশামক্না কম করবা খুৎ-লাইমকগী পীখ্রবা, অঙং ওইরিঙৈদগী খুৎলায় মথল মথলগু মতৌম্দা তম্বিখ্রবা, মহাক্কী কৃপাদগী নিংথৌ পাণ্ডুগী মচাশিংসিনা মহারথী অমমম্ ওইরবব, অতে অংতাম্না নিংথৌমচা কয়ানা মহারথীগী পদবীদা কাখ্রবা অচুম ওইবা বাণক্ চেংলবা মহাধনুর্দ্ধরী দ্রোণনা ধৃষ্টদ্যুম্নগী মথুত্তা থরাই থাখিবগী পাউ তাবদা ঐগী থম্মোয় অসি অমুক্ হয়না মচেৎ মচেৎ থোক্না কায়খ্রবনি ॥৩৭—৩৯॥ খুৎলায় মথল্ মরিদা জগৎ আসদা মখোয়গী মাপ্পা লৈত্রবা ভীষ্মদ্রোণ অসিনা লান্দা শিখিবগী পাউ তাবদা থম্মোয় অসে ওহ্নোক্না থীনা কায়খ্রবনি ॥ ৪০ ॥ মখোগ্দ অহুম্দা মাগী মাপ্পা অম লৈত্রবা দ্রোণনা লৈখিদ্রে হায়বাসি তাবদা ঐগী থম্মোয়সে ওহ্নোক্না থীনা কায়খ্রবনি ॥৪১॥ পাণ্ডুগী মচা অর্জ্জুননা মশাগী মখোনাম্না বিদ্যানা সংশপ্তক লাশ্মী মপৈগু যমালয়দা থাখ্রে ॥৪২॥ অহুগী তুংদা শিংল হৈরবা অশ্বত্থামাগী নারায়ণাস্ত্র অমুবদা থাওহনখ্রে হায়বসিগু তারে। মতম অসিদা ঐগী লাশ্মী মরাম্না চেন্নরবা, ঐখোয়গী পক্নী [illegible] করি করি করি তৌখ্ন হায়রু ॥৪৩॥ ঐনা অমুম্ থনবদা সমুদ্র ঈরাক্না হি ([illegible]) না কায়রবদা মাহদা তোওরশিংনা ঈরাক্না অরাবা [illegible] ঐগী লাশ্মীশিং অমুম্ [illegible] শোরক্না ঈরাক্নরিগনি ॥৪৪॥ সঞ্জয়! ঐগী কৌরব [illegible] দুর্য্যোধন, কর্ণ ভোজ বংশগী কৃতবর্ম্মা; মদ্ররাজশল্য, অশ্বত্থামা, কৃপাচার্য্য, অমসুং [illegible] মখোয় অসিগী মায়খোংশিংদো কম্তৌখি ? ॥৪৫—৪৬॥ "সঞ্জয়! [illegible] ঐগী [illegible] পাণ্ডবগী

সঞ্জয় উবাচ।

তথাপরাধাদ্‌দ্বেষ্টং কৌরবেয়েষু মারিষ।। তৎ প্রাপ্তা বা যথার্থং কার্যৌ দিষ্টে ন ব্যথতে বুধঃ ॥৪৮॥
তস্মাদভাবী ভাবী বা ভবেদর্থো নরং প্রতি। অপ্রাপ্তৌ তস্য বা প্রাপ্তৌ ন বুধঃ ভুক্তে ব্যথাম্ ॥৪৯॥

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ।

ন ব্যথাভ্যধিকা কাচিদ্বিদ্যতে মম সঞ্জয়।। দিষ্টমেতৎ পরং মন্যে কর্ণস্য যদেভ্যহন্ ॥৫০॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
সঞ্জয়ধৃতরাষ্ট্রসংবাদে প্রথমোঽধ্যায়ঃ ॥১॥ *

দ্বিতীয়োঽধ্যায়ঃ।

পক্ষগী অকনবা লাম্মীশিংনা মত্তো করম্ন। মাগী মাগী মপাঙ্গল মথৌনা উংনহুনা থেন্নবিবগে অচুগা করি করি থৌদোক থোক্‌খিবগে, অসি পুম্নমক্‌সি নহাক্না অমত্ত রাত্তনা তম্ব" ॥৪৭॥ সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ। মহারাজগী দোষদগী কৌরব পক্ষদা থোকখিবা থৌদোকশিংঙ্গু ভাবিরগা অমুক্ হন্ম থম্মোর কারবিন্নু। মরমদি আশংবশি না মশাগী দোষদগী নত্রগা মরারবক্ত ভয়খিবদগী থোক্‌খিব থবক্তীদমক্ থক্ রাবিদে ॥৪৮॥ অচুনা, মীওইবনা পাম্‌বা নীঙজবসে অমুকন্নু মকংভি, অচুগা অমুক ইকং কংখিদনা তোক্‌খবস্নু লৈ। অচুগা পাম্‌জরিবা নীঙজরিবা পোৎ অচুগী অমুক্ কংবা অচুগা অমুক্ কংখিদবদা অশি'বশিংনা থক্ রাবিদে ॥৪৯॥ ধৃতরাষ্ট্রনা হায়ঃ—সঞ্জয়। অসিদগী হেন্না রাবা শুংঙাইতবা অম কর অমুক লৈগদগে? থোকখ্রিবা ঘটনা পুম্নমকমে লাইনা ভমচুনা মথোক্‌প্রবনি হায়বসি ঐনা থল্লে। ননীঙ ভয় অপনবা লৈতনা তম্ব ॥৫০॥

মশম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা সঞ্জয় ধৃতরাষ্ট্র সংবাদগী অহান্‌বা অধ্যায় লোইরে ॥

শ্রীমহাভারতম্

দ্বিতীয়োঽধ্যায়ঃ

(সঞ্জয়না কর্ণপর্ব্ব লীথরকপা)

অনিশুবা অধ্যায় ।

সঞ্জয় উবাচ ।

হতে দ্রোণে মহেষ্বাসে তব পুত্রা মহারথাঃ । বভূবুরস্বস্থমুখা বিষণ্ণা গতচেতসঃ ।১।

অবাঙ্মুখাঃ শস্ত্রভৃতঃ সর্ব্ব এব বিশাংপতে । । অপ্রেক্ষমাণাঃ শোকার্ত্তা নাভ্যভাষন্ পরস্পরম্ ।২।

তান্ দৃষ্ট্বা ব্যথিতাকারান্ সৈন্যানি তব ভারত । । ঊর্দ্ধমেব নিরৈক্ষন্ত দুঃখত্রস্তান্যনেকশঃ ।৩।

শস্ত্রাণ্যেষান্তু রাজেন্দ্র । শোণিতাক্তান্যনেকশঃ । প্রাভ্রশ্যন্ত করাগ্রেভ্যো দৃষ্ট্বা দ্রোণং হতং যুধি ।৪।

তানি বদ্ধান্যনেকানি লম্বমানানি ভারত । । অদৃশ্যন্ত মহারাজ ! নক্ষত্রাণি যথা দিবি ।৫।

তথা তৎ স্তিমিতং দৃষ্ট্বা গতসত্ত্বমবস্থিতম্ । বলং তব মহারাজ । রাজা দুর্য্যোধনোঽব্রবীৎ ।৬।

ভবতাং বাহুবীর্য্যং হি সমাশ্রিত্য ময়া যুধি । পাণ্ডবেয়াঃ সমাহূতা যুদ্ধঞ্চেদং প্রবর্ত্তিতম্ ।৭।

তদিদং নিহতে দ্রোণে বিষণ্ণমিব লক্ষ্যতে । যুধ্যমানাশ্চ সমরে যোধা বধ্যন্তি সর্ব্বশঃ ।৮।

সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ ! মহাধনুর্দ্ধারী দ্রোণাচার্য্যনা নোংগাপ্রবদা মহারাজগী কল্লবা নচাঙ্গবুত্তো মহারথীশিংগী মায়থোংহু মখা তানিঙাই লৈতনা লাংশিনখি, মথোয় অয়াম্বা অান তাদনা লৈনখি ॥১॥ মহারাজ ! খুৎলায় পায়বা লাম্মীপুম্বা মমায়লুক্থহুনা ভুমিন লৈনখি । অমগমগ য়েংনখিদ্রে, অমগমগ রারী শায়খিদ্রে ॥২॥ ভরতনন্দন ! মহারাজগী লাম্মী অয়াম্বা থম্মোয় শোক রানখিহুনা লোংখকলোমদা মমায় ওনখৎহুনা ভুমিন ভুমিন লৈনখি ॥৩॥ নিংথৌ অথোইবা ! দ্রোণশিখিবহু হেবইবদা ঈইরবা খুৎলাইশিং অদো মথুৎ মখুৎগী নাম্বখি ॥৪॥ ভরতনন্দন মহারাজ ! মতম অহুদা লাম্মীশিংগী মশাদা-মথাদা য়াল্লিবা খুৎলাইশিংঅদো নোংমদোহক্ক থোকপা থরানমীচাবগুম কুকেৎ কাকেৎ থাক থাক য়ান্দুনা লৈখি ॥৫॥ মহারাজ ! লাম্মীশিংনা তোকম খণ্ডনা চপ্‌লেৎনা পাঙ্গলখত্তয়া লৈবত্ত উবদা নচাইবুত্তো দুর্য্যোধন লাম্মী ময়াম্ অহুদা অম্বয়া হায়খি ॥৬॥ অকন্‌বা লাম্মীশা ! ঐনা অকনবা নথোয়গী নপাম্বোমগী পাঙ্গল অমদি নথৌনাদ ত্তোংহুনা, জয় ভইংগী আশা পুম্বা থমহুনা ময়াম্বু ঐনা লান্দা নিমন্ত্রণ তৌহুনা য়াওবিয় কৌজখনি । অহুগা লানস্থ আশাঅহুদা চৌজখিবনি ॥৭॥ অদুবু, গুরুদ্রোণ অমতনা লৈখিদবসিদা মকায়া কুম্বংমনা লৈবসি ঐ উয়ে । মাসি য়ায়া চুম্‌দবনি । মহমদি অকনবা ক্ষত্রিয়মচাশিংনা লাণ্ডকমদা কুম্বরকপা

জয়ো বাপি বধো বাপি যুধ্যমানস্য সংযুগে। তদেবং কিমত্র চিত্রং বৈ যুধ্যন্তঃ সর্ব্বতোমুখাঃ ॥৯॥
শক্রবলক মহাপ্রাণং কর্ণং বৈকর্ত্তনং যুধি। প্রচরন্তং মহেষ্বাসং দিব্যৈরস্ত্রৈর্মহাবলম্ ॥১০॥
যস্য বৈ যুধি সন্ত্রাসাৎ কুন্তীপুত্রো ধনঞ্জয়ঃ। নিবর্ত্ততে সদা মন্দঃ সিংহাৎ ক্ষুদ্রমৃগো যথা ॥১১॥
যেন নাগাযুতপ্রাণো ভীমসেনো মহাবলঃ। মানুষেণৈব যুদ্ধেন তামবস্থাং প্রবেশিতঃ ॥১২॥
যেন দিব্যাস্ত্রবিচ্ছুরো মায়াবী স ঘটোৎকচঃ। অমোঘয়া রণে শক্ত্যা নিহতো ভৈরবং নদন্ ॥১৩॥
তস্য দুষ্পারবীর্য্যস্য সত্যসন্ধস্য ধীমতঃ। বাহ্বোর্দ্রবিণমক্ষয্যমদ্য প্রকথয় সংযুগে ॥১৪॥ (কলাপকম্)
দ্রোণপুত্রস্য বিক্রান্তং রাধেয়স্যৈব চোভয়োঃ। শক্তং পাণ্ডুপুত্রাংস্তে বিষ্ণুবাসবয়োরিব ॥১৫॥

হায়বসে ঐনা ওয়েগা য়েক্নববু হাংপা' নত্রগা য়েক্নবনা হাৎখিবা হায়বসিদা চিংনবা নৈত্তনা রাখলতানা তৌনরিবনি। অকনবশিংনা লালকমদা য়েক্নবগী মথুত্তা থরাই থানখি। ॥৮॥ লাম্বহি ঐনসু হাৎলি, ঐবুসু হাৎখি। অয়সু, ওই; পরাজয়সু কংভি। অহুনা অকনবা দ্রোণবু য়েক্নবনা হাৎখিবসিদা কার অমুক নোংহৌনা ওকনম থোকপগে! অহুনা অকনবশিংনা অমুক লাম্থেংনবা তৌবিয়ু ॥৯॥ ময়াম অমুক হম য়েংবয়ু মহাধনুর্দ্ধারী বৈকর্ত্তন কর্ণনা লালকম অসিদা মর্ত্ত্যলোককী মীনা থত্তবহৈবা ওমদবা থুংলায়মক্ত পায়ঠুনা লালকম অসিদা হংগৎহন্দা চত্তুনা নৈরি ॥১০॥

পীক্রব শজী মচানা, উরগ নোংশাবু কিবনা
লান্দ মাওম্ হৈত্রিবা, কুন্তীগী মচা কনশিন্নবা
অর্জ্জুননা মাবু উবদা, হন্থেংলোৎথ্রে নৈথুন্দা।
নিয়ম কায়দনলালহৈবা, কর্ণকৌব অকনবা!
শায়ু লিশিং তরাগী, পাজস নৈব ভীমপ্পগী
খুদোংথীব মত্তৌদো, কর্ণনা ওইহনখিবদো।
ময়াম কম্বিগী কাউবগে, কিহুনা কম্বিগী চেনবগে?
ইন্দ্রদগী কংখিবা তাশোয়া, মপা নৈত্রবা কনবনা
মায়া হৈয়ব অকনবা, ঘটোৎকচকৌব হিংচাবা
হাৎখিবদো কর্ণ মহাত্মা, কায়গী কাউবিব ময়ায়া?
কয়ামুক কনবগে থত্তমদবা, রাশক চেৎপা লালহৈবা
কর্ণ কৌব অশিংবনা, মশাগী পাখোম পাজয়া
শোক্নখিব লাহ্রাও অয়সু, তাবথোদো ময়ামসু ॥১১—১৫॥
ওসিগী সুমিত্তা অকনবা, বিষ্ণু-ইন্দ্র অনীগুম্বা

সর্ব্ব এব ভবতশ্চ শক্তাঃ প্রত্যেকশোহপি বা। পাণ্ডুপুত্রান্ রণে হন্তুং সসৈন্যান্ কিমু সংহতাঃ।
বীর্য্যবন্ কৃতাস্ত্রাশ্চ প্রত্যেকশোঽপি পরস্পরম্ ॥১৬॥

সঞ্জয় উবাচ।

এবমুক্ত্বা ততঃ কর্ণং চক্রে সেনাপতিং তদা। তব পুত্রো মহাবীর্য্যো ভ্রাতৃভিঃ সহিতোঽনঘ। ॥১৭॥
সৈনাপত্যমবাপ্যাথ কর্ণো রাজন্! মহারথঃ। সিংহনাদং বিনদ্যোচ্চৈঃ প্রাযুধ্যত রণোৎকটঃ ॥১৮॥
স সৃঞ্জয়ানাং সর্ব্বেষাং পাঞ্চালানাঞ্চ মারিষ।। কৈকয়ানাং বিদেহানাং চকার কদনং মহৎ ॥১৯॥
তস্যেষুধারাঃ শতশঃ প্রাদুরাসন্ শরাসনাৎ। অগ্রে পুঙ্খেষু সাংসক্তা যথা ভ্রমরপঙ্ক্তয়ঃ ॥২০॥
স পীড়য়িত্বা পাঞ্চালান্ পাণ্ডবাংশ্চ তরস্বিনঃ। হত্বা সহস্রশো যোধানর্জ্জুনেন নিপাতিতঃ ॥২১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি সঞ্জয়বাক্যে দ্বিতীয়োঽধ্যায়ঃ ॥০॥ *

অশ্বত্থামা কর্ণ অনীনা কৌরবকী, পঙ্কদ লৈহুনা
শোক্কললাক্লুমু মরাম্না য়েংবিখোমুক্তখোয়দনা। ॥১৫॥

"এঙ্গী কমক্তি হায়হুনা লৈবিরিবা মরামসিগী অমমমতনস্থ পাণ্ডবশিংবু মখোয়গী লাম্নীশিংপা লোইননা হাংপ হমৃংগদোরিবনি। অহমদি ময় য় অমুত্তং হোহুনা লিংজেল মাম্না শোক্কবিরবদি অতুক্ক করি হায়গনি। করে, অসি পুম্নমক লৈংসন্থ, খুংলায় হৈরবা কল্লবা মরামস্থ অমনা অমগী করবহৈবস্থ উবিহৌরে" ॥১৬॥ সঞ্জয়না হায়:—প.প রাওত্রবা নিংথৌ! কল্লবা নচাঙ্গৈবুডো দুর্য্যোধননা মরামদা অসুমা হায়রগা মনাওশিংগা লোয়ননা কর্ণবু সেনাপতি হাপখ্রে ॥১৭॥

মহারাজ! অদুগী তুংদা লান্দা মরায় কারবা কল্লবা কর্ণ অসি লাঞ্জাও অদুগী সেনাপতিগী পদবীদা কারবদুদদি খোঞ্জেল হৌনা সিংহনাদ লাউহুনা লাম্থোংনবা হৌরকলে ॥১৮॥ ইকায়খুমনবগী মশক ওইরব, নিংথৌ! কর্ণনা সৃঞ্জয়, পাঞ্চাল, কৈকয়, বিদেহগী লাম্নীশিংবু অকিব কংনা হাংপা হৌরকলে ॥১৯॥ কর্ণগী লৌরুংদগী অমুবমুক্ত তেল চাম চামনা মমৈ মকোক্‌ শম্নশম্নবা পাইথোরকপা ওইরে ॥২০॥ মহারাজ! মতৌ অসুমা পঞ্চালশিং অমদি পাণ্ডবশিংবু শাথিনা মৈচাক পীয়রগা, অদুগা পাণ্ডবপক্তকী লাম্নী লিশিং লিশিংবু হাংথরগা মমৈথংদা কর্ণ অসি অর্জ্জুনগী মখুত্তা মথ্যাই থাখ্রে ॥২১॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা "সঞ্জয় বাক্য" গী অনীশুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

শ্রীমহাভারতম্

তৃতীয়োঽধ্যায়ঃ।

অহুমশুবা অধ্যায়ঃ

(সঞ্জয়না কর্ণগী মথা নীথবা)

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এতচ্ছ্রুত্বা মহারাজ! ধৃতরাষ্ট্রোঽম্বিকাসুতঃ। শোকস্যান্তমপশ্যন্ বৈ হতং মেনে সুযোধনম্ ॥১॥
বিহ্বলঃ পতিতো ভূমৌ নষ্টচেতা ইব দ্বিপঃ। তস্মিন্ নিপতিতে ভূমৌ বিহ্বলে রাজসত্তমে ॥২॥
আর্ত্তনাদো মহানাসীৎ স্ত্রীণাং ভরতসত্তম।। স শব্দঃ পৃথিবীং কৃৎস্নাংপূরয়ামাস সর্ব্বশঃ ॥৩॥ (যুগ্মকম্)
শোকার্ণবে মহাঘোরে নিমগ্না ভরতস্ত্রিয়ঃ। রুরুদুর্দুঃখশোকার্ত্তা ভৃশমুদ্বিগ্নচেতসঃ ॥৪॥
রাজানঞ্চ সমাসাদ্য গান্ধারী ভরতর্ষভ।। নিঃসংজ্ঞা পতিতা ভূমৌ সর্ব্বাণ্যন্তঃপুরাণি চ ॥৫॥
ততস্তাঃ সঞ্জয়ো রাজন্। সমাশ্বাসয়দাতুরাঃ মুহ্যমানাঃ সুবহুশো মুঞ্চন্তীর্বারি নেত্রজম্ ॥৬॥
সমাশ্বস্তাঃ স্ত্রিয়স্তাস্ত বেপমানা মুহুর্মুহুঃ। কদল্য ইব বাতেন ধূয়মানাঃ সমন্ততঃ ॥৭॥
রাজানং বিদুরশ্চাপি প্রজ্ঞাচক্ষুষমীশ্বরম্। আশ্বাসয়ামাস তদা সিঞ্চংস্তোয়েন কৌরবম্ ॥৮॥

বৈশম্পায়না হায়ঃ—মহারাজ জনমেজয়। অম্বিকাগী মচা ধৃতরাষ্ট্র অসি সঞ্জয়গী মচৌদ্রগী কর্ণ শিয়ে হায়বা পাঙ্ড অসি হেক তাবদা মচা দুর্য্যোধনসু লৈত্রেদনা অসুম্ খন্থে ॥১॥ ভরত শাগৈগী অথোইবা নিংথৌ। রামনথিবনা থম্মোয় পুবা য়ারকছনা ধৃতরাষ্ট্র অসি অমান য়াওব্রবা অচৌবা শাম্ন অমনা হাইথুরকপওম্ আসনথক্তগী অমান য়াওদনা কক্ষমদগী তহথি। ধৃতরাষ্ট্রনা অমান তাদনা আসনথক্তগী তহথিবগু উবদা অন্তপুরগী নুপী অতাং পুবা থম্মোয় শোক ইকিং-কিংবা লাউথোংহনা কপনথি। খোঞ্জেল অহুনা কোম্নুং মমুংগী ফুরা দলালনচিংবা পুম্ব পুম্বনিন্ নিনথি ॥২-৩॥ ভরতবংশগী মীৎতোল-মৌ পুম্নমক অকিবগী মশক্ ক'না ইরৈ কল্লবা অরাবগী ঈপাক্তা লুপথিহনা ময়ায়বক্ মথবাক্ তর-তরহনা লাওতকনা-মুংশি মুংভোনবগা লোয়ননা কপ্পরকলে ॥৪॥ ভরত শাগৈগী অথোইবা মহারাজ। গান্ধারী অমদি অন্তঃপুরগী নীওথিজরবীশিং অতম্ন চেল্শিনক্‌না ধৃতরাষ্ট্রগী নাক্ত অমান তাদনা থাম্বহনা তুথনথি ॥৫॥ মপী তম্নং তম্নং চেন্ন হীক্ন হীক্ন কপ্লিবীশিং অহম্ন সঞ্জয়না অতম্না নীঙ্‌বিজবা থাহৈনা থেমজিনথি ॥৬॥ সঞ্জয়না থেম্জিনবদগী অমান থরদি তারকলে হায়বনু নুপীশিং অহু মুংশিংবা। ঙৈরবা লফু পাম্বীশিংগী মতোৌঙুয়া কেৎ কেৎ হায়রুনা নীক্‌না লৈথি ॥৭॥ মতম্ অমুদা বিদুরনা চক্‌শিনক্‌না কুরুবংশগী অহল ওইরবা, মীৎউত্রবা, ধৃতরাষ্ট্রগী কোক্ত ঈশিং থীক্‌না অতম্ন থাহৈনা থেম্জিনথি ॥৮॥ মহারাজ। মতম্ অসিদা অহল

স লব্ধ্বা শনকৈঃ সংজ্ঞাং তাশ্চ দৃষ্ট্বা স্ত্রিয়ো নৃপঃ। উন্মত্ত ইব রাজেন্দ্র! স্থিতস্তূষ্ণীং বিশাংপতে। ॥৯॥
ততো ধ্যাত্বা চিরং কালং নিশ্বস্য চ পুনঃ পুনঃ। স্বান্ পুত্রান্ গর্হয়ামাস বহু মেনে চ পাণ্ডবান্ ॥১০॥
অগর্হচ্চাত্মনো বুদ্ধিং শকুনেঃ সৌবলস্য চ। ধ্যাত্বা তু সুচিরং কালং বেপমানো মুহুর্মুহুঃ ॥১১॥
সংস্তভ্য চ মনো ভূয়ো রাজা ধৈর্য্যসমন্বিতঃ। পুনর্গাবল্গণিং সূতং পর্য্যপৃচ্ছত সঞ্জয়ম্ ॥১২॥
যত্ত্বয়া কথিতং বাক্যং শ্রুতং সঞ্জয়! তন্ময়া। কচ্চিদ্দুর্য্যোধনঃ সূত! ন গতো বৈ যমক্ষয়ম্ ॥১৩॥
জয়ে নিরাশঃ পুত্রো মে সততং জয়কামুকঃ। ব্রূহি সঞ্জয়! তত্ত্বেন পুনরুক্তাং কথামিমাম্ ॥১৪॥
এবমুক্তোঽব্রবীৎ সূতো রাজানং জনমেজয়!। হতো বৈকর্ত্তনো রাজন্! সহ পুত্রৈর্মহারথৈঃ।
ভ্রাতৃভিশ্চ মহেষ্বাসৈঃ সূতপুত্রস্তনুত্যজৈঃ ॥১৫॥
দুঃশাসনশ্চ নিহতঃ পাণ্ডবেন যশস্বিনা। পীতশ্চ রুধিরং কোপাদ্ভীমসেনেন সংযুগে ॥১৬॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এতচ্ছ্রুত্বা মহারাজ! ধৃতরাষ্ট্রোঽম্বিকাসুতঃ। অব্রবীৎ সঞ্জয়ং সূতং শোকসংবিগ্নমানসঃ ॥১৭॥

ওইরবা নিংথৌ আস জ্ঞান তারক্লুনা মুপী নাহাশিং অগুনা পূমকোয় কোয়শিল্লবহু উবদা ভুমিল্লরা ভাঙদনা লৈখি ॥৯॥ অদুগী তুংদা যাম্না কুইনা চিন্তা তৌরুরবা ভুংদা মু শামপী হোন্দুনা নপুক্লীংদা মচাশিংগী নিন্দা অদুগা পাণ্ডু-মচাশিংগী প্রশংসা তৌরকই ॥১০॥ যাম্না কুইনা চিন্তা তৌরগা নিংথৌ ধৃতরাষ্ট্রনা সুবলগী মচা শকুনিগী কত্রবা মবুদ্ধি অদুগা মন্ত্রনাবু পুক্লীদা গন্না হল্লা নিন্দা তৌখি ॥১১॥ অদুগী তুংদ মপুক্লীং কাজন্দুনা যাম্না তপ্‌থনা সুতবংশগী গবল্‌গণগী মচা সঞ্জয়বু য়েংত্নুনা ধৃতরাষ্ট্রনা অসুম্না হায়রকই :–॥১২॥ সঞ্জয়! নংনা হায়খিবা-হৌদোকখিবা রা পূম্বা ঐ তাবে। ভাইথো ঐ নভোন্দা অমুক্ত শেংন হংখগে—ঈচা দুর্য্যোধনদো হৌজিক্‌শিমাক্ত শিত্রিদনকো? ॥১৩॥ "আঃ! ওস্থোক্‌পানহৈ সঞ্জয়! মুমিৎ চুপ্পা জয় ওইবগী আশাত তৌরক্লবা পঙলবা দুর্য্যোধন অদো হৌজিক্তি ওস্থোক্লা নিরাশ ওইরম্নিনিনা। করে; অহ্‌ মঙাইয়ে, লোইনা অমত রাস্তনা অমুক্ত লীথরকউ" ॥১৪॥ মহারাজ! জনমেজয়! ধৃতরাষ্ট্রনা অসুম্না হংলবদা সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ! মহারথী ওইরবা কল্লবা কর্ণদা অকনবা মচাশিং অমদি মশানা শিজ্জনীঙলবা সূতগী মচীম্নাওশিংগা লোয়ননা লালকম্‌দা মথ্‌রাই থাশ্রে ॥১৫॥ অদুগা "মিংচৎ চাউরবা কল্লবা পাণ্ডু-মচা ভীমসেননা দুঃশাসনবুসু হাশ্রে। শাউখিবদগী দুঃশাসনগীমথবাকী ঈবু খুজোক্‌ খুজোক্‌ খুজোক্‌ থক্‌শ্রে" ॥১৬॥ বৈশম্পায়ননা হায়ঃ—মহারাজ জনমেজয়! অম্বিকাগী মচা ধৃতরাষ্ট্রনা সঞ্জয়গী মচীন্দগী রাসি তাবদা অরাবাৎমুংঙাইতবম্না মশাপুম্বা পূমলেঙ্‌ লেঙবিত্নুনা সঞ্জয়দা অসুম্না হায়রকই :—॥১৭॥ ঈবুঙো, সঞ্জয়! কৈদৌনি, ঐগী পঙলবা ঈচা, ভুংদা অসি থোকনি উদথঙদবা দুর্য্যোধনগী কত্রবা নীতিদগী কর্ণ কাওবা মথ্‌রাই থাশ্রে তাবদা ঐগী থম্মোয়সে মচেৎ মচেৎ

সুগৃহীতেন মে তাত! পুত্রস্যাদীর্ঘদর্শিনঃ। হতং বৈকর্ত্তনং শ্রুত্বা শোকো মর্ম্মাণি কৃন্ততি ॥১৮॥
তস্য মে সংশয়ং ছিন্ধি দুঃখপারং তিতীর্ষতঃ। কুরূণাং পাণ্ডবানাঞ্চ কে তু জীবন্তি কে মৃতাঃ ॥১৯॥

সঞ্জয় উবাচ।

হতঃ শান্তনবো রাজন্! দুরাধর্ষঃ প্রতাপবান্। হত্বা পাণ্ডবযোধানামর্বুদং দশভির্দিনৈঃ ॥২০॥
তথা দ্রোণো মহেষ্বাসঃ পাঞ্চালানাং রথব্রজান্। নিহত্য যুধি দুর্দ্ধর্ষঃ পশ্চাদ্রুক্মরথো হতঃ ॥২১॥
হতশিষ্টস্য ভীষ্মেণ দ্রোণেন চ মহাত্মনা। অর্দ্ধং নিহত্য সৈন্যস্য কর্ণো বৈকর্ত্তনো হতঃ ॥২২॥
বিবিংশতির্মহারাজ! রাজপুত্রো মহাবলঃ। আনর্ত্তযোধান্ শতশো নিহত্য নিহতো রণে ॥২৩॥
তথা পুত্রো বিকর্ণস্তে ক্ষত্রব্রতমনুস্মরন্। ক্ষীণবাহায়ুধঃ শূরঃ স্থিতোঽভিমুখতঃ পরান্ ॥২৪॥
ঘোররূপান্ পরিক্লেশান্ দুর্য্যোধনকৃতান্ বহূন্। প্রতিজ্ঞাং স্মরতা চৈব ভীমসেনেন পাতিতঃ ॥২৫॥

(যুগ্মকম্)

বিন্দানুবিন্দাবাবন্ত্যৌ রাজপুত্রৌ মহারথৌ। কৃত্বা ত্বসুকরং কর্ম্ম গতৌ বৈবস্বতক্ষয়ম্ ॥২৬॥
সিন্ধুরাষ্ট্রমুখানীহ দশ রাষ্ট্রাণি যস্য বৈ। বশে তিষ্ঠন্তি বীরস্য যঃ স্থিতস্তব শাসনে ॥২৭॥
অক্ষৌহিণীর্দশৈকাঞ্চ বিনির্জিত্য শিতৈঃ শরৈঃ। সোঽর্জ্জুনেন হতো রাজন্! মহাবীর্য্যো জয়দ্রথঃ ॥২৮॥

(যুগ্মকম্)

থোক্লা কায়থ্রে। ॥১৮॥ ঐ হৌজিক্ অরাবগী ঈপাক্ অসিগী চাংজো রাংমদা য়ৌথ্রগে খল্লি। অদুগা নং ঐগী চিংনম্নিবসে অসিমতং কোক্‌হল্লু। হৌজিক্‌কাওবসিগী মনুংদা কৌরব-পাণ্ডব পক্ষ অনীমক্তা কনা কনাদি হিংলি, অদুগা কনা কনানা শিথ্রে ? ॥১৯॥ সঞ্জয়না হায় :—মহারাজ! মতীক্ মঙাল চাউরবা গঙ্গানন্দন ভীষ্ম তরানি চুপ্পা সেনাপতি ওইরমদুনা পাণ্ডব লাশ্মী লিশিং লিশিংবু হাৎলম্লগা তুথ্রেদো ॥২০॥ মহাধনুর্দ্ধারী, লাক্‌ওম্‌কাওম্‌দ্রবা, সনাতনা পূমহৈ ওইনা শারবা রথদা তোংবা, দ্রোণসু পাঞ্চালগী রথী অয়াম্ববু হাৎলম্লগা নোংগাথ্রে ॥২১॥ অদুগী তুংদা ভীষ্ম দ্রোণ অনীনা হাৎখিবগী লেম্‌লৌবা পাণ্ডব লাশ্মীশিংগী তংখাই অমবু কর্ণনা হাৎলম্লগা মাসু তুথ্রেদো ॥২২॥ মহারাজ! বিবিংশতি কৌবা রাজকুমার অকনবা মহাকসু আনর্ত্তদেশগী লাশ্মী চাম চামবু হাৎলম্লগা থরাই থাথ্রেদো ॥২৩॥ মহারাজ! অদুদগী শগোল শামু লাশ্মী কয়া কয়া মুৎখ্রবা-লৈত্রবদাওবদা নচা ঈবুঙো কল্লবা বিকর্ণসু ক্ষত্রিয়মচাগী থৌনা-ধর্ম্মপূম্ববু নীওশিংদুনা য়েক্লব-লোম্‌দা চঙশিল্লম্মি। অদুবু দুর্য্যোধননা তৌখিবা-পীখিবা অরাবা-দুখোইতবশিংদুনা ভীমসেননা মহাক্‌পু চাৎথ্রেদো ॥২৪—২৫॥ নিংথৌমচা, কল্লবা মহারথী ওইরবা বিন্দ-অনুবিন্দ অনীসু অমনা তৌবদবা থবক্ ডাক তৌরম্লগা যমরাই থাখিদো ॥২৬॥ মহারাজ! অদুগী তুংদা সিন্ধুনচিংবা লৈপাক্ তরানা মাগী শাসনগী মথাদা লৈরবা, লৈপাক্ তরাগী নিংথৌশিং অদুনা মাগী মাগী

তথা দুর্য্যোধনসুতস্তরস্বী যুদ্ধদুর্ম্মদঃ। বর্ত্তমানঃ পিতুঃ শাস্ত্রে সৌভদ্রেণ নিপাতিতঃ ॥২৯॥
তথা দৌঃশাসনিঃ শূরো বাহুশালী রণোৎকটঃ। দ্রৌপদেয়েন সঙ্গম্য গমিতো যমসাদনম্ ॥৩০॥
কিরাতানামধিপতিঃ সাগরানূপবাসিনাম্। দেবরাজস্য ধর্ম্মাত্মা প্রিয়ো বহুমতঃ সখা ॥৩১॥
ভগদত্তো মহীপালঃ ক্ষত্রধর্ম্মরতঃ সদা। ধনঞ্জয়েন বিক্রম্য গমিতো যমসাদনম্ ॥৩২॥ (যুগ্মকম্)
তথা কৌরবদায়াদো ন্যস্তশস্ত্রো মহাযশাঃ। হতো ভূরিশ্রবা রাজন্! শূরঃ সাত্যকিনা যুধি ॥৩৩॥
শ্রুতায়ুরপি চাম্বষ্ঠঃ ক্ষত্রিয়াণাং ধুরন্ধরঃ। চরন্নভীতবৎ সংখ্যে নিহতঃ সব্যসাচিনা ॥৩৪॥
তব পুত্রঃ সদামর্ষী কৃতাস্ত্রো যুদ্ধদুর্ম্মদঃ। দুঃশাসনো মহারাজ! ভীমসেনেন পাতিতঃ ॥৩৫॥
যস্য রাজন্! গজানীকং বহুসাহস্রমদ্ভুতম্। সুদক্ষিণঃ স সংগ্রামে নিহতঃ সব্যসাচিনা ॥৩৬॥
কোসলানামধিপতির্হত্বা বহুমতান্ পরান্। সৌভদ্রেণেহ বিক্রম্য গমিতো যমসাদনম্ ॥৩৭॥
বহুশো যোধয়িত্বা তু ভীমসেনং মহারথম্। চিত্রসেনস্তব সুতো ভীমসেনেন পাতিতঃ ॥৩৮॥
মদ্ররাজাত্মজঃ শূরঃ পরেষাং ভয়বর্দ্ধনঃ। অসিচর্ম্মধরঃ শ্রীমান্ সৌভদ্রেণ নিপাতিতঃ ॥৩৯॥
সমঃ কর্ণস্য সমরে যঃ সঃ কর্ণস্য পশ্যতঃ। বৃষসেনো মহাতেজাঃ শীঘ্রাস্ত্রো দৃঢবিক্রমঃ ॥৪০॥

য়াথংগী মথা মথা পেন্দুনা লৈখিবা, অহুক্তবা জয়দ্রথবু অর্জুননা মাগী থৌর থৌরবা তেন্না কৌরবকী লান্মী অক্ষৌহিণী তেক্কোন তরামাথোইবু মাংখীব পীহনা, যমালয়দা থাগ্রেদে ॥২৭-২৮॥ দুর্য্যোধনগী মচা কল্লবা মখল লৈরবা লক্ষ্মণবু মপাগী য়াথং মতুংইন্না লান্দ্রা থিহনা অভিমন্যুগী মথুত্তা থরাই থাগ্রেদে ॥২৯॥ দুঃশাসনগী মচা কল্লবা, লান্দা ময়াম্ব কারবা মও কপুর দ্রৌপদীগী মচানা যমালয়দা থাগ্রে ॥৩০॥ নোংপোক সমুদ্রগী মপান্দা, ওবা কয় ত পুরুনবকী নিংথৌ, ইন্দ্রগী চান্নথোইরবা মরূপকুম লৈরবা ক্ষত্রিয়গী ধর্ম্মদা পুক্নীংচঙসবা ভগদত্তবুসু পাণ্ডুগী মচা সব্যসাচী অর্জুননা তোঁবা ওয়া হৈব কোদোক্নুনা যমালয়দা থাগ্রেদে ॥৩১-৩২॥ মহারাজ! কুরুবংশগী মিংচৎ চাউরবা কল্লবা ভূরিশ্রবাবু খুৎলায় থাওদনা লৈরবৈ অবস্থাদা সাত্যকিনা হাৎখ্রেদে ॥৩৩॥ অম্বষ্ঠদেশগী নিংথৌ, ক্ষত্রিয়জাতি থৈমগুম্বা শ্রুতায়ুধবু লালুকমদা মথৌনা উংনা উংনা অর্জুনগী মথুত্তা থরাই থাখি ॥৩৪॥ মহারাজ! শাউবতনা মাশিঙ্গাং ওইরবা লাকওয়্ কাওয়্দবা মীনা লাকচবা য়াদবা নচা ঈবুংঙো দুঃশাসনবু ভীমগী মথুত্ত থরাই থাগ্রে ॥৩৫॥ মহারাজ! শাম্ব লান্মী লিশিং লিশিংগা লোয়ননা লাক্ছেংনবা সুদক্ষিণ হায়বত্রুম্ব অর্জুনগী মথুত্তা থরাই থাখ্রেদে ॥৩৬॥ কোসলগী নিংথৌ বৃহদ্বল হায়বহুসু পাণ্ডব পক্ষগী লান্মী কয়া কয়াবু হাৎপগা মতুংদা অভিমন্যুগী মথুত্তা মথুই থাখি ॥৩৭॥ মহারাজ! নচা ঈবুংঙো চিত্রসেনসু ভীমসেন মকন্দা অমকনবা চৈমা কয়া পীরবা তুংদা মথুই থাখি ॥৩৮॥ মথুত্তা থাও চুংখোয় পারবা, অকনবা মশিল লৈবগী শুপ পূরবগা চিঙবা, মেরবশিংগী থকথুদ মখৈবগী মথক ওইরবা মদ্ররাজগী শৈল্যগী মচানুসু অভিমন্যুনা যমালয় য়োহনখ্রেদে ॥৩৯॥ মপা কর্ণ মকা লান্দা পাংথক ওইরবা

অভিমন্যোর্বধং স্মৃত্বা প্রতিজ্ঞামপি চাত্মনঃ। বনস্থানের বিক্রম্য গমিতো যমসাদনম্ ॥৪১॥

(দুর্যোধন)

নিত্যং প্রসক্তবৈরো যঃ পাণ্ডবৈঃ পৃথিবীপতিঃ। বিশ্রাব্য বৈরং পার্থেন কৃতায়ুঃ স নিপাতিতঃ ॥৪২॥
শল্যপুত্রস্তু বিক্রান্তঃ সহদেবেন মারিষ!। হতো রুক্মরথো রাজন্! ভ্রাতা মাতুলজো যুধি ॥৪৩॥
রাজা ভাগীরথো বৃদ্ধো বৃহৎক্ষত্রশ্চ কেকয়ঃ। পরাক্রমন্তৌ বিক্রান্তৌ নিহতৌ বীর্যবত্তরৌ ॥৪৪॥
ভগদত্তসুতো রাজন্! কৃতপ্রজ্ঞো মহাবলঃ। শ্যেনবচ্চরতা সংখ্যে নকুলেন নিপাতিতঃ ॥৪৫॥
পিতামহস্তব তথা বাহ্লিকঃ সহ বাহ্লিকৈঃ। নিহতো ভীমসেনেন মহাবলপরাক্রমঃ ॥৪৬॥
জয়ৎসেনস্তথা রাজন্! জারাসন্ধির্মহাবলঃ। মাগধো নিহতঃ সংখ্যে সৌভদ্রেণ মহাত্মনা ॥৪৭॥
পুত্রস্তে দুর্ম্মুখো রাজন্! দুঃসহশ্চ মহারথঃ। গদয়া ভীমসেনেন নিহতৌ শূরমানিনৌ ॥৪৮॥
দুর্ম্মর্ষণো দুর্বিষহো দুর্জয়শ্চ মহারথঃ। কৃত্বা অসুকরং কর্ম্ম গতা বৈবস্বতক্ষয়ম্ ॥৪৯॥
উভৌ কালজ্ঞবৃষকৌ ভ্রাতরৌ যুদ্ধদুর্ম্মদৌ। কৃত্বা চাসুকরং কর্ম্ম গতৌ বৈবস্বতক্ষয়ম্ ॥৫০॥
সচিবো বৃষবর্ম্মা তে শূরঃ পরমবীর্য্যবান্। ভীমসেনেন বিক্রম্য গমিতো যমসাদনম্ ॥৫১॥
তথৈব পৌরবো রাজা নিগাবুতবলো মহান্। সমরে পাণ্ডুপুত্রেণ নিহতঃ সব্যসাচিনা ॥৫২॥

তেজ লৈরবা মথুং থুরব। মারল লৈরবা বৃষসেনবু মপা কর্ণমকা মাওদা অর্জ্জুননা মচা অভিমন্যু হাৎখিবগী সুংগাইতবা শাউবদগী, মশাগী ম্রাশকী মতুংইন্না যমালয়দা থাবিদে। ॥৩০-৪১॥

পাণ্ডবাশংগী মকম্‌দা লুনিৎচুম্না য়েন্নবত হৌরম্বা অহৎপা শ্রুতায়ুধবু অর্জ্জুননা মাগী বরাল্‌ পুন্না তাহন্দুনা যমালয়দা থাথ ॥৪২॥ মীকায়খুম্নবগী মশক্‌ ওইরব শল্যগী মচা মপা মামমকা পোকপা কম্লবা, সনাগী রথদা তোংবা সহদেবনা থাংনা হাৎখ্রে ॥৪৩॥ মপাঙ্গল মখোনা লৈরবা, ভগীরথবংসগী অহল্‌ ওইরবা নিংথৌ কেকয়দেশগী বৃহৎক্ষত্রগী মতম্‌থদাং মখোনা উত্তনা শোক্লগা লালদা মথ্‌ইথাখ্রে ॥৪৪॥ মহারাজ! নকুলনা লালকম্‌দা পুংখওগুম্‌ হংগৎহন্দা চত্তুনা লাল্‌গীবিদ্যা পুন্না ঐরব ভগদত্তগী মচাবু হাৎখ্রেদে ॥৪৫॥ মহারাজ! মহারাজগী নবুখৌশিংগী শীওদা চল্লবা থোইদোকহেন্নোক্ল কল্লব বাহ্লকপু বাহ্লক-শাংগী পুন্নকা লোয়নন্না ভীমসেনগী মথুত্তা মথংনাইথাখ্রেদে ॥৪৬॥ মহারাজ! নহা ওইরবা অভিমন্যুনা লালকম্‌দা জরাসন্ধগী মচা, মগধগী নিংথৌ জয়ৎসেনবু মথ্‌রাইলোখি ॥৪৭॥ নিংথৌ! ভীমসেননা মহারাজগী নচাইপুরো, কল্লি হায়না নাপল তৌরবা, মহামীর ওইজবা দুর্ম্মুখ দুঃসহ অনীবু গদাকনা থোমক্লনা হাৎখি ॥৪৮॥ অমগী তুংদা অমুক দুর্ম্মর্ষণ, দুর্বিষহ, দুর্জয় মখোয় অহুম আসিন্থ লালকম্‌দা তৌজক্‌ননা থবক্‌ তৌরমপা ভীমগী মথুত্তা মথ্‌ইথামখি ॥৪৯॥ লাল্‌দা লাকজম্‌ কাজমন্নবা কলিন বৃষক কৌবা মচীনমনাও অনীসিম্‌ অকনবগী হৌনবী থবক্‌ তৌরগা যমপুর লোখি ॥৫০॥ ভীমসেননা মপাক্লন লেঙ্গা, মহারাজগী কল্লবা শিংলবা মন্ত্রী বৃষবর্ম্মাবুহ যমাপরম থাখ্রে ॥৫১॥ পাণ্ডু নিবিংতগী

বসাতয়ো মহারাজ। দ্বিসহস্রাঃ প্রহারিণঃ শূরসেনাশ্চ বিক্রান্তাঃ সর্বে যুধি উপাতিতাঃ ॥৫৩॥
অভীষাহাঃ কবচিনঃ প্রহরন্তো রণোৎকটাঃ। শিবয়শ্চ রথোদারাঃ কালিঙ্গসহিতা হতাঃ ॥৫৪॥
গোকুলে নিত্যসংবৃদ্ধা যুদ্ধে পরমকোপনাঃ। ধর্ম্মযুক্ত-বীরাশ্চ নিহতাঃ সব্যসাচিনা ॥৫৫॥
শ্রেণয়ো বহুসাহস্রাঃ সংশপ্তকগণাশ্চ যে। তে সর্ব্বে পার্থমাসাদ্য গতা বৈবস্বতক্ষয়ম্ ॥৫৬॥
স্যালৌ তব মহারাজ। রাজানৌ বৃষকাচলৌ। ত্বদর্থমতিবিক্রান্তৌ নিহতৌ সব্যাচিনা ॥৫৭॥
উগ্রকর্ম্মা মহেষ্বাসো নামতঃ কর্ম্মতস্তথা। শাম্বব'জো মহাবাহুর্ভীমসেনেন পাতিতঃ ॥৫৮॥
ওঘবাংশ্চ মহারাজ। বৃহন্তঃ সহিতৌ রণে। পরাক্রমন্তৌ মিত্রার্থে গতৌ বৈবস্বতক্ষয়ম্ ॥৫৯॥
তথৈব রথিনাং শ্রেষ্ঠঃ ক্ষেমধূর্ত্তির্বিশাংপতে।। নিহতো গদয়া রাজন্। ভীমসেনেন সংযুগে ॥৬০॥
তথা রাজন্। মহেষ্বাসো জলসন্ধো মহাবলঃ। সুমহৎ কদনং কৃত্বা হতঃ সাত্যকিনা রণে ॥৬১॥
অলম্বুষো রাক্ষসেন্দ্রঃ খরবন্ধুরযানবান্। ঘটোৎকচেন বিক্রম্য গমিতো যমসাদনম্ ॥৬২॥
রাধেয়াঃ সূতপুত্রাশ্চ ভ্রাতরশ্চ মহারথাঃ। কেকয়াঃ সর্ব্বশশ্চাপি নিহতাঃ সব্যসাচিনা ॥৬৩॥

পাজল লৈবা, পুরুবংশগী নিংথৌ অতুবু অর্জ্জুননা হাৎখ্রে ॥৫২॥ মহারাজ। ফুনগুনবদা হৈশিংলবা, বসাতিগী কল্লবা শূরসেনশিংদা লিশিং অনী অতুস্তু লালকম্‌দা লোইনা তুমখ্রবনি ॥৫৩॥ মশামশাদা কবচ (লালকুরিৎ) লীৎপা, লান্দ মরায় কারবা অভীষাহ অতুগা শিবিবংশগী লাম্মীশিং অতুস্তু লালথেংনথেংননা কলিঙ্গগী লাম্মীশিংগা লোয়নননা লান্দা তুমখ্রবনি ॥৫৪॥ গোকুলদা চাউখিবা রায় শাউগনবা আচারব্যবহার পূম্বদ ধর্ম্ম কায়দবা কল্লবা নারায়ণলাম্মীশিং অতবুস্তু অর্জ্জুনন লোয়না সংহার তৌখ্রবনি ॥৫৫॥ সংশপ্তক হায়বা লাম্মীশিং ওস্থোক্লা যামখ্রবনি। মখোয় অতবুস্তু অর্জ্জুননননা লোয়না যমালয়দা থাজিনখ্রবনি ॥৫৬॥ মহারাজ। মহারাজগী নশেলঙ্গীবুঙো, বৃষক-অচল হায়বা রাজকুমার অনী অতুস্তু লালকমদা তৌবগম্বা থবক উৎনা-উৎনা অর্জ্জুনগী মথুক্তাথরাই-থাখ্রবনি ॥৫৭॥ মমিংদস্তু তৌথোরকপা কর্ম্মদস্তু অকিবগী মশক্ত ওইবা, লীকং অচোবা পায়বা, মপাম্বোম কল্লবা শাম্বরাজস্তু ভীমসেনগী মথুক্তা মথরাই থাখ্রে ॥৫৮॥ মহারাজ। ওঘবান্-বৃহন্ত অনী অসিস্তু মখোয়গী মরূপ দুর্য্যোধণগী দমক্ত তিমনা কম্না থেংনরম্মগা যমালয়দা চৎখ্রে ॥৫৯॥ মহারাজ। ভীমসেননা গদাতনা থাদুমা; রথিঅথোইবা ক্ষমধূর্ত্তিবু হাৎখ্রে ॥৬০॥ মহারাজ। মহাধনুর্দ্ধারী ওইরবা মপাজল থোইনা কল্লবা জলসন্ধ হায়বস্তুস্তু য়েক্লবা লাম্মী কয়া কয়া হাৎলম্মগা সাত্যকিগী মথুক্তা হুখ্রবনি ॥৬১॥ ঘটোৎকচনা তৌবা ওস্থ মপাজল অমদি বিদ্যা উত্তুনা লোলান-চিংবরথতোংবা, হিংচাব অথোইবা অলম্বুষবু যমালয়দা থাখ্রে ॥৬২॥ সূতবংশগী, রাধাগী মচা কর্ণগী মনাওশিংবু অতুগা কেকয়শিংবু অর্জ্জুননা লোয়না হাৎখ্রবনি ॥৬৩॥ ঈকায় খুম্নবগী মশক্ ওইরবা নিংথৌ! মহারাজগী পক্ষগী ওস্থোক্ল শাথিনা, অকিবগী মশক্‌কংনা কল্লবা মালব, মদ্রক,

মালবা মদ্রকাশ্চৈব দ্রাবিড়াশ্চোগ্রবিক্রমাঃ। যৌধেয়াশ্চ ললিত্থাশ্চ ক্ষুদ্রকাশ্চপ্যুশীনরাঃ ॥৬৪॥
মাবেল্লকাস্তুণ্ডিকেরাঃ সাবিত্রীপুত্রকাশ্চ যে। প্রাচ্যোদীচ্যাঃ প্রতীচ্যাশ্চ দাক্ষিণাত্যাশ্চ মারিষ ॥৬৫॥
পত্তানাং নিহতাঃ সংঘা হয়ানাং প্রযুতানি চ। রথব্রজাশ্চ নিহতা হতাশ্চ বরবারণাঃ ॥৬৬॥

(বিশেষকম্)

সধ্বজাঃ সায়ুধাঃ শূরাঃ সবর্ম্মাম্বরভূষণাঃ। কালেন মহতা যত্তা কুলৈর্শৈচ বৰ্দ্ধিতাঃ ॥৬৭॥
তে হতাঃ সমরে রাজন্! পার্থেনাক্লিষ্টকর্ম্মণা। অন্যে তথামিতবলাঃ পরস্পরবধৈষিণঃ ॥৬৮॥

(যুগ্মকম্)

এতে চান্যে চ বহবো রাজানঃ সগণা রণে। হতাঃ সহস্রশো রাজন্! যন্মাং ত্বং পরিপৃচ্ছসি ॥৬৯॥
এবমেষ ক্ষয়ো বৃত্তঃ কর্ণার্জ্জুনসমাগমে। মহেন্দ্রেণ যথা বৃত্রো যথা রামেণ রাবণঃ ॥৭০॥
যথা কৃষ্ণেন নরকো মুরশ্চ নিহতো রণে। কার্ত্তবীর্য্যশ্চ রামেণ ভার্গবেণ যথা হতঃ ॥৭১॥
সজ্ঞাতিবান্ধবঃ শূরঃ সমরে যুদ্ধদুর্ম্মদঃ। রণে কৃত্বা মহদ্‌যুদ্ধং ঘোরং ত্রৈলোক্যমোহনম্।
যথা স্কন্দেন মহিষো যথারুদ্রেণ চান্ধকঃ ॥৭২॥
তথার্জ্জুনেন স হতো দ্বৈরথে যুদ্ধদুর্ম্মদঃ। সামাত্যবান্ধবো রাজন্! কর্ণঃ প্রহরতাং বরঃ ॥৭৩॥

(কলাপকম্)

দ্রাবিড, যৌধেয়, ললিত্ত, ক্ষুদ্রক, উশীনর মাবল্লেক, তাণ্ডকের, সাবিত্রীপুত্র, মথোয় অমি; অহুগা নোংপোক নোংচুপ মথা অরাংদা লৈবা দেশ পূম্মক্কী খোঙমী লাম্মী, রথী শগোল শামু তোংবা লম্মী পূম্মক অহুম্ লোইনা লালকম্‌দে ভুথ্রে ॥৬৩—৮৬॥ মহারাজ! য়োকপহৈবশিংনা নীঙথিন য়োক্‌খাক্‌না মতম্‌কুইনা তাম্বহনা চাওংনপ্রবা, অরঙইননবগী মায় চেংহাশিন্না হোংনাথবা, সনা লুপা লিকোল কয়া কয়ানা লৈতেং ওইথরবা, অরাবা থাঙহৈবা অকনবাশিং অসে অর্জ্জুনগী মথুঙ লোইনা মথ্‌রাই থাথরবনা। কথামুক্ কনবগে হায়বদু হায়নিঙাই লৈতবা, অমনা অমবু হাৎকে থরবা অকনবা খোঙমী কয়া কয়া লালকম্‌দা ভুথরে ॥৬৭—৬৮॥ মহারাজ! মহারাজনা তাকপিবা হংবিবা মতুংইন্না ঐনা হায়জরবান। থর হায়খিবশিং অসি নত্তনা অকনবা নিংথৌ-লাম্মী লিশিংলাশিংনা মাগী মাগী খোঙলোয় লাম্মীশিংগা লোয়ননা লালদা মথ্‌রাই থাথরবনি ॥৬৯॥ মহারাজ!

ইন্দ্রনা বৃত্রাসুর হাৎখিবগুম্, হাৎখিবগুম্ রামনা রাবণবু,
নরকাসুর-মুরাসুর কৌবা, হাৎখিবগুম্ কৃষ্ণনা অনীবু
ভৃগুবংশগী পরশুরামনা, হাৎপগুম্ কার্ত্তিবীর্য্যাৰ্জ্জুনবু
লান্দা লাকগুম্ কাঙম্‌দবা, মযোল অহম্‌বু মিপাইহন্‌বা
মহিষাসুর কোবা মহাকপু, শাপৈনাতৈগা লোয়ননা

জয়াশা ধার্ত্তরাষ্ট্রাণাং বৈরস্য চ মুখং যতঃ। তীর্ণং তৎ পাণ্ডবৈ রাজন্! যৎ পুরা নাববুধ্যসে ॥৭৪॥
উচ্যমানো মহারাজ! বন্ধুভির্হিতকাঙ্ক্ষিভিঃ। তদিদং সমনুপ্রাপ্তং ব্যসনং সুমহাভয়ম্ ॥৭৫॥ (যুগ্মকম্)
পুত্রাণাং রাজ্যকামানাং ত্বয়া রাজন্! হিতৈষিণা। অহিতান্যেব চীর্ণানি তেষাং তৎ ফলমাগতম্ ॥৭৬॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
সঞ্জয়বাক্যে তৃতীয়োঽধ্যায়ঃ ॥৩॥ *

মামী কার্ত্তিকনা হাৎখিবগুম্, মায়োক্নবা রথগী লান্দা
মপা লৈতনা কল্লবা কর্ণবু, খোঙমী-লাম্মীগা লোয়নননা
কল্লবা অর্জ্জুননা লাংকদা, রাশক ভাক্তনা হ্ৎথয়ে
অর্জ্জুননা কর্ণবু হাৎপদু, অন্ধকাস্থরবু রুদ্রনা হাৎকুম্মি ॥৭০॥ — ৭৩॥
মহারাজ! নচা ঈবুঙো অকনবশিংনা, মাগী মথক্তা আশা-থম্নুনা
অচৌবা লাল্লাওসি হৌখিবা, য়েক্নবিবসিগী হৌরকফম কর্ণনা
লালকম্‌দা তুগ্রবা অসিদা, কর্ণ ঈপাকপু পাণ্ডবশিংনা
লায়না হৌজিক্তি লাম্বোক্‌প্রে, কৌরবশিং লৈকম্ খঙদবনা
মহারাজগী অকবত খঙবা মরূপ্‌শিংনা হায়জবা পুম্বনা
মহারাজনা নাকোংদা হাপখিদে, মাঙগী শোয়জবা খুদোংথীবনা
হৌজিক্তি মহারাজদা থুংগরে, উপায় লৈতে লায়বা ॥৭৪ — ৭৫॥

মহারাজ! লৈপাক্ পাম্ব নচা ঈবুঙোশিংগী মরূপ্‌শিং অহুনা কায়বা খঙ্গরবম্ মাঙন-তাক্নবা তৌরমলে, মাঙগী মহৈ হৌজিক্ত থুংগার ॥৭৬॥

মকয় অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা সঞ্জয়বাক্যগী অহুমশুবা অধ্যায় লোইয়ে॥

শ্রীমহাভারতম্

চতুর্থোঽধ্যায়ঃ ।

মরিগুবা অধ্যায়

(কর্ণপর্ব্বদা সঞ্জয়না মখা লাথবা)

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ

আখ্যাতা মামকাস্তাত । নিহতা যুধি পাণ্ডবৈঃ । হতাশ্চ পাণ্ডবেয়ানাং মামকৈর্ব্রূহি সঞ্জয় ।।১।।

সঞ্জয় উবাচ ।

কুন্তয়ো যুধি বিক্রান্তা মহাসত্ত্বা মহাবলাঃ । সানুবন্ধাঃ সহামাত্যা গাঙ্গেয়েন নিপাতিতাঃ ।২।

নারায়ণা বালভদ্রাঃ শূরাশ্চ শতশোঽপরে । অনুরক্তাশ্চ বীরেণ ভীষ্মেণ যুধি পাতিতাঃ ।৩।

সমঃ কিরীটিনা সংখ্যে বীর্য্যেণ চবলেন চ । সত্যজিৎ সত্যাসন্ধেন দ্রোণেন নিহতো যুধি ।৪।

পাঞ্চালানাং মহেষ্বাসাঃ সর্ব্বে যুদ্ধবিশারদাঃ । দ্রোণেন সহ সংগম্য গতা বৈবস্বতক্ষয়ম্ ।৫।

তথা বিরাটদ্রুপদৌ বৃদ্ধৌ সহসুতৌ নৃপৌ । পরাক্রমন্তৌ মিত্রার্থে দ্রোণেন নিহতৌ রণে ।৬।

ধৃতরাষ্ট্রনা হায়ঃ—সঞ্জয় । কৌরব পক্ষয়োমদগী কনা কনা লৈখিজ্রবগে হায়বঙ্গীদি নংনা সম্পংনা হায়রে । অদুগা এৗগী অবনবশিংনা পাণ্ডব পক্ষয়োমদগী কনা কনাবু হাংখ্রবগে হায়বদু নংনা অমুক্ হায়খো ॥১॥ সঞ্জয়না হায়ঃ— মহারাজ ! মতীক মগুণ চাণ্ডরবা মথোনা লৈয়বা, অর্জন্ কন্বা, কল্লবা কুন্তিভোজ দেশগী অকন্বা লাম্মীশিং অগ্রবু মাগী মগ্রী অমদি খোণ্ডমী লাম্মীশিংগা লোয়ননা ভীষ্মনা লোইনা হাংখ্রবমি ॥২॥ কল্লবা ভীষ্মনা লান্দা কথোরবা, পাণ্ডবশিংগী মহাহক্ত গুইয়বা বালভদ্র কৌবা লাম্মীশিং অগ্রবু খৌয় খৌয় খৌয়বা য়েত্যুম্ মচীন শাবা হেঙনা লোইনা হাংখ্রে ॥৩॥ মতীক্ মগুণ মথোনা অমদি মহেদা অর্জ্জুনগা খোইনা খেহয়বা সত্যজিৎ হায়বদু রাশক্ চেংপা দ্রোণগী মথুত্তা মংরাই থাখি ॥৪॥ পাঞ্চালদাম্মী জেলোদগী মদুংদা লান্দা হৈশিংলবা অচৌ অচৌবা লীক্রং পারয়বা মখোয় অহ্ পুরুগা হোয়না দ্রোণগী নাক চণ্ডশিল্লবদা লোইনা মথরাই থাখি ॥৫॥ বিরাট দ্রুপদ অনীগু মাগী মাগী খোণ্ডমী লাবীলা লোয়ননা যুধিষ্ঠিরনচিংবা পাণ্ডবশিংগীদমক্তা মাগী মাগী মথোনাগা লোয়ননা শোক্রময়গা দ্রোণগী

যো বাল এব সমরে সংস্তুতঃ সব্যসাচিনা। কেশবেন চ দুর্দ্ধর্ষো বলদেবেন বা বিভো ॥৭॥
পরেষাং কদনং কৃত্বা মহারথবিশারদঃ।
পরিবার্য্য মহামাত্রৈঃ বহুভিঃ পঞ্চভিঃ রথৈঃ। অশক্নুবদ্ভির্ভবৎসুবক্তিরভ্যনিপাতিতঃ ॥৮॥ (যুগ্মকম্)
কৃতং তং বিরথং বীরং ক্ষত্রধর্মে ব্যবস্থিতম্। দৌঃশাসনির্মহারাজ। সৌভদ্রং হতবান্ রণে ॥৯॥
পটচ্চরনিহন্তা চ মহত্যা সেনয়া বৃতঃ। অম্বষ্ঠস্য সুতঃ শ্রীমান্ মিত্রহেতোঃ পরাক্রমন্ ॥১০॥
আসাদ্য লক্ষ্মণং বীরং দুর্য্যোধনসুতং রণে। সুমহৎ কদনং কৃত্বা গতো বৈবস্বতক্ষয়ম্ ॥১১॥ (যুগ্মকম্)
বৃহন্তঃ সুমহেষ্বাসঃ কৃতাস্ত্রো যুদ্ধদুর্ম্মদঃ। দুঃশাসনেন বিক্রম্য গমিতো যমসাদনম্ ॥১২॥
মণিমান্ দণ্ডধারশ্চ রাজানৌ যুদ্ধদুর্ম্মদৌ। পরাক্রমন্তৌ মিত্রার্থে দ্রোণেন যুধি পাতিতৌ ॥১৩॥
অংশুমান্ ভোজরাজস্তু সহসৈন্যো মহারথঃ। ভারদ্বাজেন বিক্রম্য গমিতো যমসাদনম্ ॥১৪॥
সামুদ্রশ্চিত্রসেনশ্চ সহ পুত্রেণ ভারত। সমুদ্রসেনেন বলাদ্গমিতো যমসাদনম্ ॥১৫॥
অনূপবাসী নীলশ্চ ব্যাঘ্রদত্তশ্চ বীর্য্যবান্। অশ্বত্থাম্না বিকর্ণেন গমিতৌ যমসাদনম্ ॥১৬॥
চিত্রায়ুধশ্চিত্রযোধী কৃত্বা চ কদনং মহৎ। চিত্রমার্গেণ বিক্রম্য বিকর্ণেন হতো মৃধে ॥১৭॥

থুত্তা থরাই থাগ্রে ॥৬॥ মহারাজ! অঙাং পিশক পীকৃলিঙৈদগী মতীক্ মগুণ মপাঙ্গন্দ অর্জ্জুন; কৃষ্ণ অদুগা বলরামমক মাগ্নন। লাকুঙম কাঙমদবা, লান্দা খোইনা হৈশিংগব, কৌরবকী অকনব-শিংবু কয়ারক্ হন্ন নাগ্নগীব। পীরব পভিংশ্র্যবু কন্না। মপা মউ করব মগী তরুক্না অর্জ্জুনবুদি হাৎপা ঙমদহুনা মহাকপু কোয়াশন্দুনা লালকম্দা তুহন্থি ॥৭—৮॥ মহারাজ! অভিমন্যু হায়বহুনা রথ ঈয়াও য়াওদনা শোক্রৈহুদা দুঃশাসনগী মচানা নায়োন্দগী হাৎখি ॥৯॥ তোবা ওম্বা হুয়ান-চীহীবা কয়া কয়াবু মথন্তনা হাৎখিবা, অকনবগী গুণ পুম্বনা তিন্নবা, অম্বষ্ঠগী মচা অহু মাগী লান্মী ময়ায়া ঈকোয় কোয়শিন্দুনা পাণ্ডবশিংগীদমক্তা কৌরব লান্মীশিং কয়া হাৎলয়গা দুর্য্যোধনগী মচা—লক্ষ্মণগী মথুত্তা মথরাই থাখি ॥১০—১১॥ দুঃশাসননা মাগী মতীক্ মগুণ মপাঙ্গোম্গী পাজয়া লান্দা মহাকন্নবা, অচৌবা লীরুং পায়বা লালগী বিদ্যাবু মুয়া খঙলবা; লান্দা লাকত্নু কাঙমদবা বৃহন্তবু যমালয়দা থাখি ॥১২॥ লান্দা লাকুঙম কাঙমদবা মনিমান্ অমুগা দণ্ডধার নিংথৌনা মাগী খেণ্ডমী লান্মীশিংগা লোয়ননা কয় পোক্রয়গ দ্রোণগী মথুত্তা মথরাই থাখি ॥১৩॥ দ্রোণাচার্য্যনা মপাজল অমদি বিদ্যা অনীমক্ উত্নুনা মহারথী ভোজরাজ অংশুমানবু মাগী খোঙমী লান্মীশিংগা লোয়ননা যমালয়দা থাগ্রে ॥১৪॥ ভরত নন্দন মহারাজ! সমুদ্রসেন কৌবা অকনবমা, সমুদ্রগী মনাক্ত লৈপাক্ পুরমক্তা নিংথৌ চিত্রসেনবু মহাকী মচাগা লোয়ননা মথরাই লৌখি ॥১৫॥ অশ্বত্থামানা সমুদ্র মপান্দা লৈবা নীলরাজবু অমগ বিকর্ণনা কয়া ব্যাঘ্রদত্তবু যমালয়দা থাখে ॥১৬॥ লালুশোক্ত মথল মথল লৈবা চিত্রায়ুধ হায়বহ কৌরব পক্তী মথাঙদা

ক্রোধবশসমো যুদ্ধে বৃতঃ কেকয়জো যুধি। কেকয়েন চ বিক্রম্য ভ্রাতা ভ্রাত্রা নিপাতিতঃ ॥১৮॥
জনমেজয়ো গদাযোধী পার্ব্বতীয়ঃ প্রতাপবান্। দুর্ম্মুখেন মহারাজ! তব পুত্রেণ পাতিতঃ ॥১৯॥
রোচমানৌ নরব্যাঘ্রৌ রোচমানৌ গ্রহাবিব। দ্রোণেন যুগপদ্রাজন্! দিব্যং সংপ্রাপিতৌ শরৈঃ ॥২০॥
নৃপাশ্চাত্তে প্রযুধ্যন্তঃ পরাক্রান্তা বিশাংপতে!। কৃত্বা নসুকরং কর্ম্ম গতা বৈবস্বতক্ষয়ম্ ॥২১॥
পুরুজিৎ কুন্তিভোজশ্চ মাতুলৌ সব্যসাচিনঃ। সংগ্রামনির্জিতাল্লোকান্ গমিতৌ দ্রোণসায়কৈঃ ॥২২॥
অভিভূঃ কাশিরাজশ্চ কাশিকৈর্ব্বহুভির্বৃতঃ। বসুদানস্য পুত্রেণ ত্যাজিতো দেহমাহবে ॥২৩॥
অমিতৌজা যুধামন্যুরুত্তমৌজাশ্চ বীর্য্যবান্। নিহত্য শতশঃ শূরানস্মদীনিপাতিতঃ ॥২৪॥
মিত্রবর্ম্মা চ পাঞ্চাল্যঃ ক্ষত্রবর্ম্মা চ ভারত!। দ্রোণেন পরমেষ্বাসৌ গমিতৌ যমসাদনম্ ॥২৫॥
শিখণ্ডিতনয়ো যুদ্ধে ক্ষত্রদেবো যুধাং পতিঃ। লক্ষ্মণেন হতো রাজন্! তব পৌত্রেণ ভারত! ॥২৬॥
সুচিত্রশ্চিত্রবর্ম্মা চ পিতাপুত্রৌ মহাবলৌ। প্রচরন্তৌ মহাবীরৌ দ্রোণেন নিহতৌ রণে ॥২৭॥
বার্দ্ধক্ষেমির্মহারাজ! সমুদ্র ইব পর্ব্বণি। আয়ুধক্ষয়মাসাদ্য প্রশান্তিং পরমাং গতঃ ॥২৮॥

কয়া থোকহল্লগা বিকর্ণগী মথুত্তা মথরাই থাখ্রে ॥১৭॥ কৈকয় দেশগী কল্লবা লাম্মী অমনা লাম্মী তেজোল মপৈ অমনা কোয়শিন্দুনা ভীমমক্কা মান্নবা শোক্লদুনা লৈয়, পাণ্ডবপক্ষদা য়াওরিবা মনাওবু থুদক্ত যমালয়দা থাখি ॥১৮॥ মহারাজ! নচা ঈবুঙো দুর্ম্মুখনা চীগী লমদমদা লৈবা পদাগী লান্দা হৈরবা, মতীক্ মগুণ চাউরবা, পাণ্ডবপক্ষদা য়াওবা জনমেজয় হায়বা অকনবদুবু হাৎখি ॥১৯॥ মহারাজ! গ্রহ অনীগী মতৌগুম্না ঈরং লংলবা রোচমান হায়বা অকনবা অনীদুবু মতম্ অমতদা দ্রোণাচার্য্যনা থোয়বা তেন্না যমালয়দা থাখি ॥২০॥ মহারাজ! মতৌ অদুম্না পাণ্ডব পক্ষদগীসু মতীক মগুণ চাউরবা, কল্লবা নিংথৌ লাম্মী কয়া কয়া মথরাই থাগ্রবনি ॥২১॥ অর্জ্জুনগী মাম থোক্পা পুরুজিৎ কুন্তীভোজ অনীসু দ্রোণগী তেনগী মচীন্দা মথরাই থাখ্রে ॥২২॥ মহারাজ! কৌরব পক্ষদা য়াওবা বসুদানগী মচানা কাশীগী থোঙমী লাম্মী পুমমক্কা কোয়শিন্দুনা লাহোল্লরম্বা কাশীরাজ অভিভূগী মথরাই লৌখি ॥২৩॥ অমখৈ লৈত্তনা কল্লবা যুধামন্যু অমুগা থৌনাকব উত্তমৌজা অনীসু পাণ্ডবকী পক্ষদা লৈদুনা কৌরব পক্ষগী লাম্মী চাম চামবু হাৎলম্নগা কোন্নুংদা কৌরব পক্ষগী অকনবশিংগী মথুত্তা থরাই থাখি ॥২৪॥ ভরত নন্দন! দ্রোণনা পাঞ্চাল দেশগী অকনবা মিত্রবর্ম্মা অমদি ক্ষত্রবর্ম্মা অনীবু যমালয়দা থাখি ॥২৫॥ মহারাজ! মহারাজগী নশু ঈবুঙো লক্ষ্মণনা মহাবীর ওইরবা শিখণ্ডীগী মচা ক্ষত্রদেববু অকনবা লানকমদা মথরাই লৌখি ॥২৬॥ কল্লবা, মথৌনা লৈরবা সুচিত্র-চিত্রবর্ম্মা হায়বা মপামচা অনীসি লালকমদা অকিবা লৈত্তনা হজৎহন্না চত্‌না শোক্লরিঙৈ মতমদুদা মথোয় অনীমক্পু দ্রোণাচার্য্যনা মতম অমতদা মথরাই লৌখি ॥২৭॥ মহারাজ! পাণ্ডব পক্ষগী বার্দ্ধক্ষেমি হায়বা অকনবদু পূর্ণিমা অমাবস্যা তিথি অনীদা ইপোম হৌরবা ঈপাকী মতৌগুম্না মরাই হাইগক্‌না ঈচত থৌনা শোক্লরম্লগা থুংলায়

সেনাবিন্দুঃ কুরুশ্রেষ্ঠ। শাত্রবান্ প্রদহন্ যুধি। বাহ্লিকেন মহারাজ! কৌরবেন্দ্রেণ পাতিতঃ ।২৯।
ধৃষ্টকেতুর্মহারাজ! চেদীনাং প্রবরো রথঃ। কৃত্বা নমুকরং কর্ম্ম গতো বৈবস্বতক্ষয়ম্ ।৩০।
তথা সত্যধৃতির্বীরঃ কৃত্বা কদনমাহবে। পাণ্ডবার্থে পরাক্রান্তো গমিতো যমসাদনম্ ।৩১।
পুত্রস্তু শিশুপালস্য সুকেতুঃ পৃথিবীপতিঃ। নিহত্য শাত্রবান্ সংখ্যে দ্রোণেন নিহতো যুধি ।৩২।
তথা সত্যধৃতির্বীরো মদিরাশ্বশ্চ বীর্য্যবান্। সূর্য্যদত্তশ্চ বিক্রান্তো নিহতে দ্রোণসায়কৈ ।৩৩।
শ্রেণিমাংশ্চ মহারাজ। যুধ্যমানঃ পরাক্রমী। কৃত্বা নমুকরং কর্ম্ম গতো বৈবস্বতক্ষয়ম্ ।৩৪।
তথৈব যুধি বিক্রান্তো মাগধঃ পরমাস্ত্রবিৎ। ভীষ্মেণ নিহতো রাজন্। শেতেঽস্ত পরবীরহা ।৩৫।
বিরাটপুত্রঃ শঙ্খস্তু উত্তরশ্চ মহারথঃ। কুর্ব্বন্তৌ সুমহৎকর্ম্ম গতৌ বৈবস্বতক্ষয়ম্ ।৩৬।
বসুদানশ্চ কদনং কুর্ব্বাণোঽতীব সংযুগে। ভারদ্বাজেন বিক্রম্য গমিতো যমসাদনম্ ।৩৭।
এতে চান্যে চ বহবঃ পাণ্ডবানাং মহারথাঃ। হতা দ্রোণেন বিক্রম্য যন্মাং ত্বং পরিপৃচ্ছসি ।৩৮।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
সঞ্জয়বাক্যে চতুর্থোঽধ্যায়ঃ ।৪। *

লৈরকত্রদুমা কৌরব পক্ষগী লাম্নীগী মথুন্তা মথরাই থাখি ॥২৮॥ কৌরব শাগৈগী অথোইবা মহারাজ! পাণ্ডব পক্ষরোমগী সেনা বিন্দু হায়বা নিপাদ্বনা কৌরব লাম্নী কয়া হাৎলবা মতুংদা কৌরব পক্ষগী ইন্দ্রগী মতোঙবা বাহ্লীককী মথুন্তা মথরাই থাখি ॥২৯॥ মহারাজ! চেদি লাম্নী পূন্নবকী লুচিংবা ওইনা লৈরম্বা ধৃষ্টকেতু হায়বা অকনবা অহ,মী অথনা পাক্ তৌভমদবা থবক্ কয়া লালকমদা তৌরম্লগা যমালয়রোমদা অহুম চৎখ্রে ॥৩০॥

কল্লবা মথোনা লৈরবা সত্যধৃতি হায়বদুনা পাণ্ডব পক্ষীদথক্তা কৌরব পক্ষী লাম্নী কয়া কয়াবু হাৎলম্নগা কোম্বংদা যমপূর তায় চৎখি ॥৩১॥ শিশুপালগী মচা সুকেতু হায়বদুনা কৌরবকী লাম্নী কয়া কয়া হাৎলম্নগা দ্রোণগী মথুন্তা মথরাই থাখি ॥৩২॥ কল্লবা সত্যধৃত কোবা, থোনা কয়বা মদিরাক্ষ, মরিল লৈরবা সূর্য্যদত্ত মথোয় অহুং গস দ্রোণ ॥ তেন্ত্রিন্দা মথরাই থাখি ॥৩৩॥ মহারাজ! মতীক মগুণ চাউরবা শ্রেণমান হায়বদুগুম অকনবা মথোনা লৈবগী থবক কয়া কয়া তৌরম্মগা যমালয়দা চৎখি ॥৩৪॥ মহারাজ! খুৎলায় পূবগী তত্ত থওলবা, ম্নেক্রবা হাংওবা অচগা মতীক্ মগুণ চাউরবা মগধগী নিংথৌ অহুম্ব পাণ্ডবকী পক্ষদা কয়া শোক্রম্নগা ভীম্মগী মথুন্তা তুখিদুনা চৌজিক্ কাওবা লাল্কমদা মপোপ, ঈকায় করনা ভাদুনা লৈখি ॥৩৫॥ বিরাট নিংথৌগী মচা মহারথী ওইরবা শঙ্খ অদুগা উত্তর—মথোয় অনীহুম্ব শাল্কম্ন অয়োইবা মাহীও হীপখ্রে ॥৩৬॥ বসুদান হায়বদুনা কৌরব পক্ষগী লাম্নী পুম্বদা অরাবা শীরম্নগা দ্রোণগী মথুন্তা মথরাই থাখি ॥৩৭॥ দ্রোণনা মতৌ অম্নমা পাণ্ডব পক্ষগী অকনবা লাম্নী কয়া কয়াবু হাৎলখি। মহারাজ! মহারাজনা হংবিবা পুব সম্পংন লীজরবনি ॥৩৮॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামন শ্রীব্যাসন লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা সঞ্জয় বাক্যগী মরিওবা অধ্যায় লোইরে ॥

শ্রীমহাভারতম্

পঞ্চমোঽধ্যায়ঃ।

মঙাশুবা অধ্যায়

(কর্ণপর্ব্বদা সঞ্জয়না মখা লীখবা)

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ।

মামকস্যাস্য সৈন্যস্য হতোৎসেকস্য সঞ্জয়। । অবশেষং ন পশ্যামি ককুদে মৃদিতে সতি ॥১॥
তৌ হি বীরৌ মহেষ্বাসৌ মদর্থে কুরুসত্তমৌ। ভীষ্মদ্রোণৌ হতৌ শ্রুত্বা কো ন্বর্থো জীবিতেন মে ॥২॥
ন চ মৃষ্যামি রাধেয়ং হতমাহবশোভিনম্। যস্য বাহ্বোর্বলং তুল্যং কুঞ্জরাণাং শতং শতম্ ॥৩॥
হতপ্রবরসৈন্যং মে যথা শংসসি সঞ্জয়। । অহতানপি মে শংস যেঽত্র জীবন্তি কেচন ॥৪॥
এতেষু হি মৃতেষ্বদ্য যে ত্বয়া পরিকীর্তিতাঃ। যেঽপি জীবন্তি তে সর্ব্বে মৃতা ইতি মতির্মম ॥৫॥

সঞ্জয় উবাচ।

যস্মিন্ মহাস্ত্রাণি সমর্পিতানি চিত্রাণি শুভ্রাণি চতুর্বিধানি।
দিব্যানি রাজন্। বিহিতানি চৈব দ্রোণেন বীরে দ্বিজসত্তমেন ॥৬॥
মহারথঃ কৃতিমান্ ক্ষিপ্রহস্তো দৃঢ়ায়ুধো দৃঢ়মুষ্টির্দৃঢ়েষুঃ।
সবীর্য্যবান্ দ্রোণপুত্রস্তরস্বী ব্যবস্থিতো যোদ্ধুকামস্ত্বদর্থে ॥৭॥ (যুগ্মকম্)

ধৃতরাষ্ট্রনা হায়ঃ—সঞ্জয়! অচো অচৌবা, মরু মরু ওইবা অকনবশিংমক্ত লৈখিদ্রবসিদা ঐখোয়গী লাম্মীশিংদা কনাশুবা অমত্তং লেমহৌখিনি—হায়বাস ঐ উত্রে ॥১॥ কৌরব তেজোলগী লুচিংবা মহাধনুর্দ্ধারী ওইরবা ভীষ্ম দ্রোণ অনীনা ঐগীদমক্ত নোংগাশ্রবসিদা ঐনা হৌজিক হিংহনা লৈবগী কার কাররি? ॥২॥ মাগী পাম্বোমগী পাক্সা শামু লিশিং তরাগী পাক্সনপা মারবা, লাল্ হায়বদুগী লৈতেং অহুনা লৈরম্বা লাক্তনা মাগীগ্র লৈতেং ওইবা অহুশুবা কর্ণনা লৈখিদ্রে হায়বসি তাবদা ঐ অমুক্ খাওহনা লৈবা শুঅক্রে ॥৩॥ করে অহুমঙায়রে—সঞ্জয়! শিগ্রবা লৈখিদ্রব-শিংহুগীদি নংনা লোইনা লীরে, মমিংসু হায়খে। অহুগা হৌজিক হিংহনা লৈরবনা কনা কনানো? মখোয়গী মমিংসু মথং মথং হায়খো ॥৪॥ নংনা হায় খাশ্রিবা মীশিং অহুনা পোয়হনা মশিগ্রবদি হৌজিক্ নংনা হিংহনা লৈরিবশিংহুগী মমিং মথং মথং হায়রক্পদা মখোয়সু শিরেদনা হায়না ঐনা খন্‌গে ॥৫॥ সঞ্জয়না হায়ঃ— মহারাজ! ব্রাহ্মণ অখোইবা, আচার্য্য দ্রোণনা অকমবসিগী মকমুদা তাইবংমীনা খঙচমক্ত খুৎলায় মখল মরিগী তত্ব অস্থিগ্রবা, মশামক্ মহারথী ওইরবা, মখুৎ থুরবা, থুপায় চেৎপা, খুরম্ চেৎপা, উইরবা তেপমক্তনা মাগী ওইরবা, মশাগী

আনর্ত্তবাসী হৃদিকাত্মজোঽসৌ মহারথঃ সাত্বতানাং বরিষ্ঠঃ।
স্বয়ং ভোজঃ কৃতবর্ম্মা কৃতাস্ত্রো ব্যবস্থিতো যোদ্ধুকামস্তদর্থে ॥৮॥
আর্ত্তায়নিঃ সমরে দুষ্প্রকম্প্যঃ সেনাগ্রণীঃ প্রথমস্তাবকানাম্।
যঃ স্বস্ত্রীয়ান্ পাণ্ডবেয়ান্ বিসৃজ্য সত্যাং বাচং তাং চিকীর্ষুস্তরস্বী ॥৯॥
তেজোবধং সূতপুত্রস্য সংখ্যে প্রতিজ্ঞায়াজাতশত্রোঃ পুরস্তাৎ।
দুরাধর্ষঃ শক্রসমানবীর্য্যঃ শল্যঃ স্থিতো যোদ্ধুকামস্তদর্থে ॥১০॥ (যুগ্মকম্)
শারদ্বতো গৌতমশ্চাপি রাজন্! মহাবাহুশ্চিত্রযোধী।
ধনুশ্চিত্রং সুমহদ্ভারসাহং ব্যবস্থিতো যোদ্ধুকামঃ প্রগৃহ্য ॥১১॥
গান্ধাররাজঃ সমৃতশ্চ রাজন্! দুর্দ্যূতদেবী কলহপ্রিয়শ্চ।
গান্ধারমুখ্যৈর্যবনৈশ্চ রাজন্! ব্যবস্থিতো যোদ্ধুকামাস্তদর্থে ॥১২॥
মহারথঃ কেকয়রাজপুত্রঃ সদশ্বযুক্তঞ্চ পতাকিনঞ্চ।
রথং সমারুহ্য নরপ্রবীরো ব্যবস্থিতো যোদ্ধুকামস্তদর্থে ॥১৩॥
অথো সুতস্তে জ্বলনার্কবর্ণং রথং সমাস্থায় কুরুপ্রবীরঃ।
ব্যবস্থিতঃ পুরুমিত্রো নরেন্দ্র! ব্যভ্রে সূর্য্যো ভ্রাজমানো যথা খে ॥১৪॥

মপাজল লৈবা, শাক্ু কল্লবা অতুম ওইবা অশ্বত্থামা হায়বত্থনা হৌজিক মহারাজগীদমক থরাই থারকাওবা লাল্ শোক্লবগী শেমশাহুনা লৈরি ॥৬—৭॥ অনর্ত্তদেশদা লৈবা, হৃদিককী মচা সাত্বত বংশগী অথোইবা, ভোজ বংশগী অকন্‌বা খুৎলায় পুম্ব ওঝা নাইনা তমুহুনা লৈথ্রবা কৃতবর্ম্মা মশামক্ হৌজিক্ মহারাজগীদমক্ থরাই থারকাওবা লাম্থেংনবগী শেমশাহুনা লৈরি ॥৮॥ আর্ত্তায়নগী মচা, লান্দা অমনা খোঙকম্ নামত কাওবা লেঙহনবা গুমদ্রবা, কৌরব তেঙ্গোলগী লুচিংবশিংগী মথুংদা অথোইবা, মশাগী রাশকীদমক্ত মচন্ন পোক্পা পাণ্ডবশিংমক্পু থাদোক্লমহুনা যুধিষ্ঠিরগী মাঙ্‌মক্তদা কর্ণগী তেজ মাঙ্‌হনগনি হায়না রাশকৃখিবা, লান্দা লাক্‌উম্ কাঙমদবা ইন্দ্রমক্তা মান্নবা কল্লি হায়বা মারবা, শক্তি লৈরবা শল্য হায়বত্থনা হৌজিক্ মহারাজগীদমক্তা মথরাই থারকাওবা লাম্থেংনবগী শেমশাহুনা লৈরি ॥৯—১০॥ শরদ্বানগী মচা গৌতমগোত্রদা পোক্পা মপাম্মোম চাউরবা, খুৎলায়গী লান্দা মখল্ মখলগী খোঙচৎ শাথেক হৈরবা অঙকপ কংনা কাংথংনবা ঙম্বা, চাউশাংবা লীরুং পায়বা, লীরীবু মথুৎ চেৎনা চিংগনবা কৃপাচার্য্য হায়বত্থনু হৌজিক্‌মক্ মথুত্তা লীরুং পায়খত্‌না মহারাজগীদমক্তা লাম্থেংনবগী শেমশাহুনা লৈহৌরি ॥১১॥ মহারাজ! মীনম্বগী চৌবরদা মথুৎ লোয়রবা, অমগা অমগা খৎনচৈনবেংখিনহনবা পাম্বা, শকুনিসু গান্ধারগী লাম্বীশিং অমদি যবনশিংগা লোয়ননা, মহারাজগীদমক্তা, মপ্পাক্‌শিংগীদমক্তা লাম্থেংনবগী শেমশাহুনা লৈরি ॥১২॥ মহারাজ! মহারথী ওইরবা, নিপা অথোইবা, কেকয় রাজকুমারসু নীঙ-থিজরবা কল্লবা শগোলচিংবা রথ অমদা তোংখত্‌না হৌজিক্ মহারাজগীদমক্তা লাম্থেংনবগী শেমশাহুনা লৈহৌরি ॥১৩॥ মহারাজ! মহারাজগী নচা ঈবুঙো, কৌরব তেঙ্গোলগী অকনবশিংগী মথুংদা অকনবা অমনি হায়না শীংথানরিবা পুরুমিত্রসু মৈ অমদি নুমিৎকী মশেক পুরবা

দুর্য্যোধনো নাগকুলস্য মধ্যে মহাবীর্য্যঃ সহ সোদরপ্রবীরৈঃ ।
রথেন জাম্বুনদভূষণেন ব্যবস্থিতঃ সমরে যোৎস্যমানঃ ॥১৫॥
স রাজমধ্যে পুরুষপ্রবীরো ররাজ জাম্বুনদচিত্রবর্ম্মা ।
শঙ্খপ্রভো বহ্নিরিবাল্পধূমো মেঘান্তরে সূর্য্য ইব প্রকাশঃ ॥১৬॥
তথা সুষেণোঽপ্যসিচর্ম্মপাণিস্তথাপরঃ সত্যসেনশ্চ বীরঃ ।
ব্যবস্থিতৌ চিত্রসেনেন সার্দ্ধং হৃষ্টাত্মানৌ সমরে যোদ্ধুকামৌ ॥১৭॥
হ্রীনিষেধো ভারতরাজপুত্র উগ্রায়ুধঃ শ্রুতবর্ম্মা জয়শ্চ ।
শলশ্চ সত্যব্রতদুঃশলৌ চ ব্যবস্থিতাঃ সহসৈন্যা নরাগ্র্যাঃ ॥১৮॥
কৈতব্যানামধিপঃ শূরমানী রণে রণে শত্রুহা রাজপুত্রঃ ।
রথী হয়ী নাগপত্তিপ্রযায়ী ব্যবস্থিতো যোদ্ধুকামস্ত্বদর্থে ॥১৯॥
বীরঃ শ্রুতায়ুশ্চ ধৃতায়ুধশ্চ চিত্রাঙ্গদশ্চিত্রসেনশ্চ বীরঃ ।
ব্যবস্থিতা যোদ্ধুকামা নরাগ্র্যাঃ প্রহারিণো মানিনঃ সত্যসন্ধাঃ ॥২০॥
কর্ণাত্মজঃ সত্যসেনো মহাত্মা ব্যবস্থিতঃ সমরে যোৎস্যমানঃ ।
অথাপরৌ কর্ণসুতৌ বরাস্ত্রৌ ব্যবস্থিতৌ লঘুহস্তৌ নরেন্দ্র ।
বলে মহত্যাবপনস্থবীর্য্যৌ সমাস্থিতৌ যোদ্ধুকামৌ ত্বদর্থে ॥২১॥

রথ অমদা কাথক্তুনা, নোংখাংজ্রবা নোংমদোন মকোয়দা লুমংনা তাম্মোইবগুম্ কৌরব তেলোন্ ময়ায়দা চপ্‌ লেপ্তনা লৈহৌর ॥১৪॥ মহারাজ ! মহারাজগী নচা ঈবুঙো অহল্ নিংথৌ দুর্য্যোধনসু মাগী অকনবা লাম্মীশিংনা ঈকোয় কোয়াশিন্দুনা সনা হৎলবা চাউরবা রথ অমদা কাথক্তুনা লালকম্‌দা শাম্ লাম্মী মরক্তা খুতম্ চেৎনা লাম্মেংননবগী শেমশাহুনা লৈার ॥১৫॥ নিপা অথোইবা খম্বালগী মচুগুম্ তাঙ্‌লৈনরবা কুচু পুরবা দুর্য্যোধননা, সনাগী লালফু রৎ লাৎহুনা, মৈখু থাংজ্রবা মৈগী মতোগুম্ অদুগা অমময় লুমংকী মশেক পুবা লাম্মীশিংগী মরক্তা তাম্মোইহুনা লৈার ॥১৬॥ মহারাজ ! মহারাজগী নচা ঈবুঙো মখুত্তা থাঙ্‌-চুংলোয় পায়বা সুষেণ-সত্যজিৎ কৌবা অনীগুম্ ময়া মথরাই সুংতাইনা লাল শোল্লনবগীদমক্ চিত্রসেনগা লোয়ননা লালকম্‌দা খোতকম্ চেৎনা লৈহৌর ॥১৭॥ ঈকায়বা খজলবা, মীনা লাকচবা য়াদবা, অাকবগী মশক ওইরবা খুৎলায় পায়রবা শ্রুতবর্ম্মা, জয়, শল্য, সত্যব্রত অদুগা দুঃশাল নিপা অথোইবশিংসু মাগী মাগী লাম্মীশিংগা লোয়ননা লালকম্‌দা লোর ॥১৮॥ মরৈমরা চাউবগী অথোইবা, লুমিৎ চুম্ অকনবনি হায়না মশাদা নাপল্ লৌরিবা, লালকম অয়াবদা য়েক্কবা কয়াবু হাৎপ্রবা, অসুক্কা রথদা, অসুক্কা শাগোলদা, অসুক্কা খোঙ্মী ওইনা লালশোল্লবা নিংথৌ অমসু মহারাজগীদমক্তা লাম্মেংনবিরি হায়হুনা শেমশাহুনা লৈরি ॥১৯॥ কল্লবা শ্রুতায়ুধ ধৃতায়ুধ, চিত্রাঙ্গদ চিত্রসেন হায়রিবা কুলগুনবা থৈরবা অকনবনি হায়না খোয়রবা রাশক চেৎলবা নিপা অথোইবসিনা মহারাজগীদমক্তা থবাই থারকাওবদা লাল শোল্লখিনি হায়হুনা লালকম্ লৈরি ॥২০॥ মহারাজ ! কর্ণগী মচা

এতৈশ্চ দুর্যোধনপরৈশ্চ রাজন্। যোধপ্রবীরৈরমিতপ্রতাপৈঃ।
ব্যবস্থিতো নাগকুলস্য মধ্যে যথা মহেন্দ্রঃ কুরুরাজো জয়ায় ॥২২॥

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ

আখ্যাতা জীবমানা যে পরে সৈন্যা যথাতথম্। ইতীদমবগচ্ছামি ব্যক্তমর্থাভিপত্তিতঃ ॥২৩॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

এবং ব্রুবন্নেব তদা ধৃতরাষ্ট্রোঽম্বিকাসুতঃ। হতপ্রবীরং ভূয়িষ্ঠং কিঞ্চিচ্ছেষং স্বকং বলম্ ॥২৪॥
শ্রুত্বা ব্যামোহমাগচ্ছচ্ছোকব্যাকুলিতেন্দ্রিয়ঃ। মুহ্যমানোঽব্রবীচ্চাপি মুহূর্ত্তং তিষ্ঠ সঞ্জয় ॥২৫॥

(যুগ্মকম্)

ব্যাকুলং মে মনস্তাত। শ্রুত্বা সুমহদপ্রিয়ম্। মনো মুহ্যতি চাঙ্গানি ন চ শক্নোমি ধারিতুম্ ॥২৬॥
ইত্যেবমুক্ত্বা বচনং ধৃতরাষ্ট্রোঽম্বিকাসুতঃ। ভ্রান্তচিত্তস্ততঃ সোঽথ বভূব জগতীপতিঃ ॥২৭॥
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি সঞ্জয়বাক্যে পঞ্চমোঽধ্যায়ঃ ॥৫॥ *

পূক্চেল চাউবা মরিল লৈরবা সত্যসেন হায়বা অমসু মহারাজগীদমক্ত লান্দা মথরাই থানি হায়না লাকখ্‌দা লৈরি। অকবা খুৎলাইত্ত পায়রবা, মখুৎ মাওলবা থুরবা, খাওবকনবা, মপাঙ্গল থোইনা কল্লবা, অনী অমসু পাকচাউরবা কৌরব লাম্মী তেঙ্গোল মরক্ত লৈহৌরি ॥২১॥ মহারাজ! হায়রিবা অকনবশিং অসিনা পুমকোয় কৌরশিন্দুনা, মথোয়না খোঙলোয় ওইদুনা বল্লবা মতীক মঙ্গল চাউরবা নচা ঈবুঙো দুর্য্যোধননা জয় ওইথিনি হায়বগী আশাদু ঈথা থাদোক্তনা লাইরাম্ মংক্ত দেবরাজ ইন্দ্রনা ঙাম্বোইবগুম্ ঙাম্বোইদুনা শামু তেঙ্গোল মরক্ত লৈহৌরি ॥২২॥ ধৃতরাষ্ট্রনা হায় :— সঞ্জয়! ঐথোয়রোম্‌গী অহুগী পাণ্ডবথোয়রোমগী লাম্মীশিংগী মনুংদ: কনা কনা লৈরি লৈখিদ্রে হায়বত্ত নংনা লীরে। ঐন্সু রায়চনীং তানা তারে। ঐনা অদুম্ খনবদা নংনা হায়রিবসিনা মচুরবদি, ঐথোয়গী কৌরব পক্ষদা মী অমতকাও হিংহৌ-রোইদৌরি হৈ সঞ্জয়! ॥২৩॥ বৈশম্পায়ননা হায় :— জনমেজয় মহারাজ! অম্বিকানন্দন ধৃতরাষ্ট্রসি রাহৈশিং অসি হায়না হায়না, কৌরব লাম্মীশিংগী মনুংদা অকল-অকনবা মক মক ওইব মথৈ শিখ্রে হায়বা অদুগা অচবা খজিক্ত লেমহৌরে হায়বসি তাবদা লৈকম চাকম থওদদুনা জ্ঞান তাদনা অমুক্ মূর্চ্ছা শংথে। মূর্চ্ছা ওইনা ওইনা, জ্ঞান ইতা তাদনা সঞ্জয়দা তথা "সঞ্জয়! নং ঙহাক্ত ভাইথো"—অদুম্না হায়রকই ॥২৪—২৫॥ "ঈবুঙো! সঞ্জয়! নংনা ঐতোন্দা ওহোক্পা পাউ অম তাহন্দুনা ঐগী থম্মোয়দু পুবা ঙম্‌হনদে। ঐ হৌজিক হকচাং অসিমক্ পুবা ঙমদ্রে" ॥২৬॥ অম্বিকানন্দন ধৃতরাষ্ট্র অসি অদুম্না হায়রগা জ্ঞান ইতা তাদনা তুম্না লৈখ্রে ॥ ২৭ ॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা সঞ্জয়বাক্যগী মঙাশুবা অধ্যায় লোইরে॥

শ্রীমহাভারতম্

ষষ্ঠোঽধ্যায়ঃ।

তরুক শুবা অধ্যায়

(কর্ণপর্ব্বদা ধৃতরাষ্ট্রদা হংবা)

——:-০-:——

জনমেজয় উবাচ।

শ্রুত্বা কর্ণং হতং যুদ্ধে পুত্রাংশ্চৈব পলায়িনঃ। নরেন্দ্রঃ কিঞ্চিদাশ্বস্তো দ্বিজশ্রেষ্ঠ। কিমব্রবীৎ ॥১॥
প্রাপ্তবান্ পরমং দুঃখং পুত্রব্যসনজং মহৎ। তস্মিন্ যদুক্তবান্ কালে তন্মমাচক্ষ্ব পৃচ্ছতঃ ॥২॥

বৈশম্পায়ন উবাচ।

শ্রুত্বা কর্ণস্য নিধনমশ্রদ্ধেয়মিবাদ্ভুতম্। ভূতসম্মোহনং ভীমং মেরোঃ সংসর্পণং যথা ॥৩॥
চিত্রমোহমিবাযুক্তং ভার্গবস্য মহামতেঃ। পরাজয়মিবেন্দ্রস্য দ্বিষদ্ভ্যো ভীমকর্ম্মণঃ ॥৪॥
দিবঃ প্রপতনং ভানোরুর্ব্ব্যামিব মহাদ্যুতেঃ। সংশোষণমিবাচিন্ত্যং সমুদ্রস্যাক্ষয়াম্ভসঃ ॥৫॥
মহীবিয়দ্দিগম্বূনাং সর্ব্বনাশমিবাদ্ভুতম্। কর্ম্মণোরিব বৈফল্যমুভয়োঃ পুণ্যপাপয়োঃ ॥৬॥

জনমেজয়না হায় :—ব্রাহ্মণ অথোইবা। কর্ণশিরে অমুগা মচাপুম্নমক্ চেনখ্রে হায়বসি তাবদা রাম্বক্ৎরবা ধৃতরাষ্ট্র অমুক থয় জ্ঞান তারক্লবদা সঞ্জয়দা করি হায়খিবগে ?॥১॥ "আ : ওয়্হোক-পনি, ব্রাহ্মণ। মচাশিংগী মহা, অমাণ্ডবা অম ওইখরে থোকখরে হায়বসি তাবদা অহল ওইরবা নিংথৌহ্ন ওয়্‌হোক্লা রাংশিনিদকো। অতুনা ঐস্তু ব্রহ্মণ নঙোন্দা হংজরি, ধৃতরাষ্ট্রনা সঞ্জয়গী মকম্‌দা হায়খিবদো অমুক্ত লৌথবিয়্" ॥২॥ জনমেজয়গী রাসি তাবদা রাম্নী লৌরিবা বৈশম্পা-য়ননা হায় : তাবিয়্ মহারাজ। মিত্রংহৈবা মীনা তৌব-উৎপা থবক্তা থাজনীঙাই ওইদবা, তাবদা অহকপাপোকপা সুমেরু চীংজাওনা মকম্ অমদা হোংদোকখ্রে হায়গুম্বা, অপ্লবা-জ্ঞানী ওইরবা পরশুরামগী বুদ্ধি চোইরে হায়বগুম্বা, কল্লবা অকিবগী মশক কংলবা ইন্দ্রনা য়েক্লবগী মখুত্তা মায়থীবা কংলে হায়বগুম্বা, হেমপুম্বগী ভুংনকম্ ওইরবা নুমিৎনা নোংমদোন থক্তগী লৈথাদা তায়কলে হায়বগুম্বা, থাজনীঙাই লৈত্রবা সমুদ্র ঈপাক্লা থবথক্ কংখ্রে হায়বগুম্বা, লৈ, ঈশিং, নুংশিৎ আকাশ অমত্ত লৈত্রে হায়গুম্বা পাপপুণ্য অনীবু তোঙাল-তোঙালপীবা কর্ম্ম মথক অনীমক্ তক্লৈত্রে হায়বগুম্বা থবক মথোকপা কর্ণশিবগী পাউ অম্ন তাবদা, অত্তে অতৈনু লৈত্রবনা হায়না থল্লবগী মুমকুপাবিচার তৌরগা কৌরব লাম্নীপুম্বা তুমলেপনা হায়না থহ্‌খিহনা

সঞ্চিন্ত্য নিপুণং বুদ্ধ্যা ধৃতরাষ্ট্রো জনেশ্বরঃ । নেদমস্তীতি সঞ্চিন্ত্য কর্ণস্য সমরে বধম্ ॥৭॥
প্রাণিনামেবমন্যেষাং স্যাদপীতি বিনাশনম্ । শোকাগ্নিনা দহ্যমানো ধমমান ইবোরগঃ ॥৮॥
বিস্রস্তাঙ্গঃ শ্বসন্ দীনো হাহেত্যুক্ত্বা সুদুঃখিতঃ । বিললাপ মহারাজ ! ধৃতরাষ্ট্রোঽম্বিকাসুতঃ ॥৯॥ (কুলকম্)

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ ।

গজরাজবিরথিবীরঃ সিংহদ্বিরদবিক্রমঃ । বৃষভপ্রতিমস্কন্ধো বৃষভাক্ষগতিস্বরঃ ॥১০॥
বৃষভো বৃষভস্যেব যো যুদ্ধে ন নিবর্ত্ততে । শত্রোরপি মহেন্দ্রস্য বজ্রসংহননো যুবা ॥১১॥
যস্য জ্যাতলশব্দেন শরবৃষ্টিরবেণ চ । নরাশ্বরথমাতঙ্গা নাবতিষ্ঠন্তি সংযুগে ॥১২॥
যমাশ্রিত্য মহাবাহুং দ্বিষৎসংঘমচ্যুতম্ । দুর্য্যোধনোঽকরোদ্বৈরং পাণ্ডুপুত্রৈর্মহারথৈঃ ॥১৩॥
স কথং রথিনাং শ্রেষ্ঠঃ কর্ণঃ পার্থেন সংযুগে । নিহতঃ পুরুষব্যাঘ্র প্রসহ্যাসহ্যবিক্রমঃ ॥১৪॥ (কুলকম্)

অহল ওইরবা, লৈপাক্ ঙাক্ লবা নিংথৌ ধৃতরাষ্ট্র অসি অরাব খুঙাইবগী মৈনা থম্মোয়পুম চাক্-থেক্‌থিল্লনা, মৈনা রাগরবা লিলগী মতোঙ্ম্ খুংগামথী থবেৎথবেৎ হোম্বুনা হকচাং কায়াৎ পুম চোকথথিল্লনা—"হা—হা—ওয়োকপা ন মাঙলেদনা !" অমুম হায়রা লাউরলাউরদুনা খোঞ্জেল খোক্ কেংথানাওইনা কপলকলে ॥৩—৯॥

ধৃতরাষ্ট্রনা হায় :—

হায়নে সঞ্জয় ঐঙোন্দ, কর্ণবু অর্জ্জুননা করম্ হাৎখিবা !
নোংশাশামুঙ্ম্ মায়লৈবা, শঙ্গাউঙ্ম্ মরেং কল্লবা,
মীয়েংনায়েং শাজত্ত, নোংশা শামু মতোঙ্গ্যা
কল্লবা কাওনা লেং মাহ্নবগা, থেংনফ পীওয়নিংদবা
অহুঙ্গা কর্ণ কোব মান, ওইকয়ম্নু ইন্দ্রমক্ক য়েক্লবা
হনবা লৈয়োইদোব মহাক্ক অহুব করম্না হাৎখিবা ?
মাগী লীর খোঞ্জেলবু, কাপথোরকপা মখোলবু তাগ্রবা
য়েক্লব কাঙবুগী শগোল শামু, খোঙঙী রথী অপুম্বা
লালকম্‌দা লেঙদনা লৈঙমদব মহ কপু করম হাৎখিবা
য়েক্লব মপৈবু হাৎঙ্গা অকনবগী লীকলম্ কায়দবা
মপাজল চাউবা মহাক্কী মথক্তা আপা থম্নবা
দুর্য্যোধন কোব ঊচানা মহারথী পাণ্ডবশিংগা শীংনবা
হৌক্রবনিদে নত্রা সঞ্জয় ! অহুব করম্না হাৎখিবা !
আথিরথগী মচা অকনবা অকনবা রথীগীম্ন অখোইবা
নিপাস্তগীম্ন অহেনবা, মমাঙদ কনাম্ন লেপক্কম্নবা
অহুবা কর্ণবু অর্জ্জুননা, সঞ্জয় ! করম্না হাৎখিবা ! ॥১০—১৪॥

যো মামেব বৈ নিত্যমচ্যুতঞ্চ ধনঞ্জয়ম্ । ন মন্তীন্ সহিতাবস্তান্ স্ববাহুবলদর্পিতঃ ॥১৫॥
শার্ঙ্গগাণ্ডীবধন্বানৌ সহিতাবপরাজিতৌ । অহং দিব্যাদ্রথাদেকঃ পাতয়িষ্যামি সংযুগে ॥১৬॥
ইতি ব সততং মন্দমবোচল্লোভমোহিতম্ । দুর্য্যোধনমবাচীনং রাজ্যকামুকমাতুরম্ ॥১৭॥
সোঽজয়ৎ সর্বকাম্বোজানাবন্ত্যান্ কেকয়ৈঃ সহ । গান্ধারান্ মদ্রকান্ মাৎস্যাংস্ত্রিগর্ত্তাংস্তঙ্কণান্ শকান্ ॥১৮॥
পাঞ্চালাংশ্চ বিদেহাংশ্চ কুলিন্দান্ কাশিকোশলান্ । সুহ্মানঙ্গাংশ্চ বঙ্গাংশ্চ নিষাদানন্ পুণ্ড্রকীকটান্ ॥১৯॥
বৎসান্ কলিঙ্গান্ দরদানশ্মকানৃষিকানপি । শবরান্ চারহূণাংশ্চ প্রঘুণান্ সরলানপি ॥২০॥
বিজিত্যৈতান্ সমরে বীরঃ প্রদীপ্তৈঃ কঙ্কপত্রিভিঃ । করমাহারয়ামাস জিত্বা সর্বানরীংস্তথা ॥২১॥
দুর্য্যোধনস্য বৃদ্ধ্যর্থং রাধেয়ো রথিনাংবরঃ । দিব্যাস্ত্রবিন্মহাতেজাঃ কর্ণো বৈকর্ত্তনো বৃষঃ ॥২২॥
সেনাগোপশ্চ স কথং শত্রুভিঃ পরমাস্ত্রবিৎ । ঘাতিতঃ পাণ্ডবৈঃ শূরৈঃ সমরে বীর্য্যশালিভিঃ ॥২৩॥
(কুলকম্)
যথা মহেন্দ্রো দেবেষু বৃষঃ কর্ণো নরেষ্বপি । তৃতীয়মন্যং লোকেষু বৃষং নৈবানুশুশ্রুম ॥২৪॥

মশাগী পাম্বোমগী পাঙলবু মুম খণ্ডজহনা, মাহুদা মরায় কায়বা কর্ণ হায়বহুনা সুমিৎচুম্বা কৃষ্ণ, অর্জ্জুন, অমদি অমত ওইনা পুন্নবা বৃষ্ণিলাম্বীশিংমকপুম্ খোইনা উশিৎখিদবনি । "করিগুম্বা মতম্দা কনাদগীম্ব পরাজয় কংজ্রি হায়রিবা কৃষ্ণ—অর্জ্জুন অনীমকপু মখোয়গী কজরবা মথদগী ঐনা ওন্তহন্দুনা লৈমায় খঙ তাহনগে ,, অম্বম্ হায়না মহাক্না, মহামূর্খ ওইরবা অপাম্বনা মমিৎতাওলবা মীনা তাকপা লৌদবা, লৈপাক্ পাম্বা সাম্রাজ্যবাদি অপাম্বনা লৈকম খণ্ডরবা : ঈচা দুর্য্যোধণদুদা হয় হয়া বাশক্ন্না হায়খিবা কর্ণনি ।

মহাক্ মশামথন্তনা, কাম্বোজ-আবন্ত্য-কেকয়-গন্ধার
মদ্র-মৎস্য-ত্রিগর্ত্ত-তঙ্কন, শকপাঞ্চাল কুলিন্দ
কাশী-কুশল-সুহ্ম অঙ্গ, বঙ্গ-নিষাদ পুণ্ড্র মগধ
বৎস-কলিঙ্গ-দরদ-অশ্বক্, ঋষিক-শবর হায় হূন
প্রঘুন-সরল পূম্নমক্সিবু, খৌরম তেন্তনা জয়ত্তৌখিবা
ঈচা দুর্য্যোধন মাগীদমক্ত মরামসিবু লোইপোৎ হাহনখিবা
দুগুবা মাধানন্দন মথী অখোইবা, মীয়মলেন্ লায়বৈবাক্'নীমকী
কর্ণবায় ওইরবা কর্ণদুবু পাণ্ডবশিংনা মত্তোকরম্বা
অকনবা মহাকপু ওমখিবা, সঞ্জয় নহাকপু হায়ুবা । ॥১৫—২৩॥

সঞ্জয় । বগী লাইরামগী মহুৎতা ইন্দ্রনা অখোইবনি । মর্ত্যলোকত নিপামচাগী কর্ণনা অখোইবনি । অনী অসি নত্তবা অহুম ভবা অখোইবা মীশক অমত ঐনা তাগৎ অসিদা তাব

উচ্চৈঃশ্রবা বরোঽশ্বানাং রাজ্ঞাং বৈশ্রবণো বরঃ। বরো মহেন্দ্রো দেবানাং কর্ণঃ প্রহরতাং বরঃ ॥২৫॥
যোঽজিতঃ পার্থিবৈঃ শূরৈঃ সমর্থৈর্বীর্য্যশালিভিঃ। দুর্য্যোধনস্য বৃদ্ধ্যর্থং কৃৎস্নামুর্বীমথাজয়ৎ ॥২৬॥
যং লব্ধা মাগধো রাজা সান্ত্ব-মানার্থ-গৌরবৈঃ। অরৌৎসীৎ পার্থিবং ক্ষত্রমৃতে যাদবকৌরবান্ ॥২৭॥
তং শ্রুত্বা নিহতং কর্ণং দ্বৈরথে সব্যসাচিনা। শোকার্ণবে নিমগ্নোঽহং ভিন্না নৌরিব সাগরে ॥২৮॥
(বিশেষকম্)

তং বৃষং নিহতং শ্রুত্বা দ্বৈরথে রথিনাং বরম্। শোকার্ণবে নিমগ্নোঽহমপ্লবঃ সাগরে যথা ॥২৯॥
ঈদৃশৈর্যদ্যহং দুঃখৈর্ন বিনশ্যামি সঞ্জয়। বজ্রাদ্দৃঢ়তরং মন্যে হৃদয়ং মম দুর্ভিদম্ ॥৩০॥
জ্ঞাতিসম্বন্ধিমিত্রাণামিমং শ্রুত্বা পরাভবম্ কো মদন্যঃ পুমাল্লোঁকে ন জহ্যাৎ সূত। জীবিতম্ ॥৩১॥
বিষমগ্নিং প্রপাতং বা পর্ব্বতাগ্রাদহং বৃণে। ন হি শক্ষ্যামি দুঃখানি সোঢ়ুং কষ্টানি সঞ্জয়। ॥৩২॥

সঞ্জয় উবাচ।

শ্রিয়া কুলেন যশসা তপসা চ শ্রুতেন চ। ত্বামদ্য সন্তো মন্যন্তে যযাতিমিব নাহুষম্ ॥৩৩॥

লৈতে ॥২৪॥ শগোলশিংগী মথুংদা উচ্চৈশ্রবানা অথোইবনি, নিংথৌগী মথুংদা বরনুপেবা কন্‌বদা কুবেরনি, দেবতাশিংগী মথুংদা ইন্দ্রনা অথোইবনি অদুগা তাইবংমী-নিপাগী মথুংদা কর্ণনা খ্বাইদগী অথোইবনি ॥২৫॥

কল্লবা নিংথৌকয়ানা, মাবুথক্ জয় তৌখিদ্রি
দুর্য্যোধনগীদমক্তমহাক্কা, পৃথ্বীবু জয় তৌবিখি।
কর্ণ মাগী সহায় ফংজদুনা, মতোন্দ লম্মুম্ কয়া পীদুনা
মগধগী নিংথৌ জরাসন্ধনা, যাদব- কৌরব নত্তনা
পৃথিবীগী ক্ষত্রিয় পুম্ববু, লায়না জয় তৌগুম্খি।
অদুগুম্বা অকনব কর্ণ মাবু, মায়োক্লবা লান্দা অর্জ্জুননা
মায়থীব পীদুনা হাৎত্রে তাবদা, ঈপাক্তলুপ্লবা হিজাউগুম্
অরাবগী ঈপাক্ত ঈয়াক্লায় অহল্ ওইরবা নিংথৌ ঐহাক্‌। ॥২৬—২৮॥

সঞ্জয়! রথগী লান্দা, মায়োক্লবা লালকম্‌দা অর্জ্জুননা কর্ণবু হাৎত্রে তাবদ্‌। ঐ অস হৌজিক অরাবগী সমুদ্রদা ঈয়াক্লরে ॥২৯॥ সঞ্জয়! ঈচাশিংগী অবস্থা অস তাবদা ঐনা হৌ জিককাওবা শিদনা লৈরিবসে, ঐগী থম্মোয় হকচাংসে বজ্রদগীসু হেম কনগ্রগদ্রে, ঐগী কল্লবা থম্মোয় অসিবু অরাবগী তাশোল অসিনা হৌজিক কাওবা থিনজাইবা ঙম্‌দ্রে ॥৩০॥ সূতবংশদা পোক্রব সঞ্জয়! শাগৈ নাতৈ মচামশুনা মহাকীদমক্তা তুম্‌শিল্লকপাসি তাবদা ঐনত্তবা করম মীশক্ অমবা হিংলবা লৌখগদগে, কনান মথরাই থারোইদগে? ॥৩১॥ অদুনা সঞ্জয়! ঐ হৌজিক মৈনুংদা নভ্রগা ঈশিংদা চোংশিন্দুনা থরাই থাগ্রগে। মরমদি ঐ অসুক রাম অরাবশিংসে পুরথাংবা ঙম্‌দ্রে ॥৩২॥

সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ! মহারাজসু হৌজিক সজ্জন ওইবা মীশিংবা শাগৈদা, লম্ভ- পুংকল শ্যজনবদা অমাদ শাস্ত্রগী জ্ঞানদা তপস্যাদা নহুষকী মচা যযাতিবক্তি হায়না থাথান

কচ্চিত্ বহুবিধপ্রভবঃ কুরুকুলোত্তমস্য পার্থিব ।। পর্য্যবস্থাপয়ামাস যা বিবাদে বভূব কথাঃ ॥৩৪॥

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ

দৈবমেব পরং মন্যে পৌরুষন্তু নিরর্থকম্। যত্র শালপ্রতীকাশঃ কর্ণোঽহন্যত সংযুগে ॥৩৫॥
হত্বা যুধিষ্ঠিরানীকং পাঞ্চালানাং রথব্রজান্। প্রতাপ্য শরবর্ষেণ দিশঃ সর্ব্বা মহারথঃ ॥৩৬॥
মোহয়িত্বা রণে পার্থান্ বজ্রহস্ত ইবাসুরান্। স কথং নিহতঃ শেতে বাতরুগ্ণ ইব দ্রুমঃ ॥৩৭॥

(যুগ্মকম্)

শোকস্যান্তং ন পশ্যামি পারং জলনিধেরিব। চিন্তা মে বর্দ্ধতে তীব্রা মুমূর্ষা চাপি জায়তে ॥৩৮॥
কর্ণস্য নিধনং শ্রুত্বা বিজয়ং ফাল্গুনস্য চ। অশ্রদ্ধেয়মহং মন্যে বধং কর্ণস্য সঞ্জয় ॥৩৯॥
বজ্রসারময়ং নূনং হৃদয়ং সুদৃঢ়ং মম। যচ্ছ্রুত্বা পুরুষব্যাঘ্রং হতং কর্ণং ন দীর্য্যতে ॥৪০॥
আয়ুর্নূনং সুদীর্ঘং মে বিহিতং দৈবতৈঃ পুরা। যত্র কর্ণং হতং শ্রুত্বা জীবামীহ সুদুঃখিতঃ ॥৪১॥
ধিগ্‌জীবিতমিদঞ্চৈব সুহৃদ্ধীনস্য সঞ্জয়। অদ্য চাহং দশামেতাং গতঃ সঞ্জয় গর্হিতাম্।
কৃপণং বর্ত্তয়িষ্যামি শোচ্যঃ সর্ব্বস্য মন্দধীঃ ॥৪২॥

তৌরি ॥৩৩॥ মহারাজ! মহারাজাদি শাস্ত্রগী জ্ঞানদা মহর্ষি অমগুবানি। অদুগা পুনাশাসিগী মপুংদা তৌগদবা মথেস্থ তৌবিপ্রে। অদুনা পুক্রীং তপথকনবীরু কাহেম মাবস্থ তৌবিখিনু ॥৩৪॥ ধৃতরাষ্ট্রনা হায়ঃ—সঞ্জয়! ঐদি মহোশাদগী অচম হায়হুনা লৈরবশিনিঃ—তাহৈবং মীগী পুনাসিং "নিপা খোঙ্গা থবক্ তোবা-নোম্ব"—হায়বদো অদুদগী "মরাইবক্কা লাইনা তম্বা"—হায়বদো অদুনা কনবা হেনমাল্লে ॥৩৫॥ মহারথী কর্ণনা যুধিষ্ঠিরগী পাণ্ডব লাম্মী অমাবু অদুগা পাঞ্চাল লাম্মী পুম্ববু হাত্তুনা মহাক্কী লাইরংদগী পাইখোরকুপ। তেল কয়া কয়ানা মায়চৈ পুম্ব। চাকুখেক-হন্দুনা, ইন্দ্রনা দৈত্য অসুর খাবকপু শুম্হৎহনাখবহুগুমা পাণ্ডব লাম্মী পুম্ববু শুম্হৎহন্দুনা মায়থীবা পীরম্লগা সুংশিৎনা মরু মরা য়াওনা যুকৃতোকৃপ্রবা উজাওগুম্ কর্ণনা করম্না লাপকমদঃ লৈমায়থক্ত তুম্রবনো ॥৩৬—৩৭॥ ঈপাক্কী চাংজো রাংম মশক্ উদবগুম্ ঐনা ঐগী অরাবা ঈপাক্কী চাংজোবু উবা ফংজ্রি। অদুনা সঞ্জয়! অরাবগী পোৎলুবাসিনা লুম্বাশিন্নকপসিনা ঐ শিখিবনা কয়মাল্লে হায়না খল্লে ॥৩৮॥ সঞ্জয়! ঐনা হাকক নগাদা কর্ণনা শুবিবা অদুগা অর্জ্জুননা জয় ওইখিবসি ইনাকোঙনা তারকাওবদা, কর্ণ শিরে হায়বসে ঐ মপুংফানা থাজবা ঙমজ্রি ॥৩৯॥ শোয়দ্রে সঞ্জয়! ঐগী থম্মোয়সে নুংবজ্রগীস্থ হেম্র কনপ্রানি। মরমদ কর্ণ শিরে হায়বা তয়াকাওবদা মহাক্কা হোজক কাওবা মচেৎ মচেৎ খোক্ত কায়রিবা ঙম্জ্রি ॥৪০॥ অদুগুম্বা "লাইনা তমুপ্রবা" (দৈব) হায়বহুনা, সঞ্জয়! ঐাস হৌজিক্ কাওবা হিংহনা লৈরিবনি। নজবদি শিব য়ায়বা থোদোক্ মরামসি খোক্তকাওবা ঐনা হিংহনা লৈরিবাসি য়ায়স্থুংরাইদোবনি। কর্ণগুম্বা অমনা শিরে হায়বসি তাবদা ঐনা হোজিক্ কাওবা হিংহুনা লৈরিবসে "নং হিংবো" হায়হনা "লাইনা তম্বা" হায়বহনা তৌবিবনি নত্রা? ॥৪১॥ সঞ্জয়! হোজিক্ ঐ মকুপ্ থপাং

অহমেব পুরা ভূত্বা সর্ব্বলোকস্য সৎকৃতঃ । পরিভূতঃ কথং সূত ! পরৈ শক্ষ্যামি জীবিতুম্ ॥৪৩॥
দুঃখাদ্দুঃখতরং মন্যে প্রাপ্তবানস্মি সঞ্জয় ! । ভীষ্মদ্রোণবধেনৈব কর্ণস্য চ মহাত্মনঃ ॥৪৪॥
'অবশেষং প্রপশ্যামি সূতপুত্রে হতে যুধি । স হি পারং মহানাসীৎ পুত্রাণাং মম সঞ্জয় ! ॥৪৫॥
যুদ্ধে হি নিহতঃ শূরো বিসৃজন্ সায়কান্ বহূন্ । কো হি মে জীবিতেনার্থস্তমৃতে পুরুষর্ষভম্ ॥৪৬॥
রথাদাধিরথির্নূনং ন্যপতৎ সায়কার্দ্দিতঃ । পর্ব্বতস্যেব শিখরং বজ্রপাতাদ্বিদারিতম্ ॥৪৭॥
স শেতে পৃথিবীং নূনং শোভয়ন্ রুধিরোক্ষিতঃ । মাতঙ্গ ইব মত্তেন মাতঙ্গেন নিপাতিতঃ ॥৪৮॥
যো বলং ধার্ত্তরাষ্ট্রাণাং পাণ্ডবানাং পাণ্ডবানাং যতো ভয়ম্ ।
সোঽর্জ্জুনেন হতঃ কর্ণঃ প্রতিমানং ধনুষ্মতাম্ ॥৪৯॥

শাগে লৈভবা হায়বদু ওইরে। ঐনা ঐগী পুনশিবু অদুগা হিংদুনা লৈরিবসি চাময়ক্ হয় থিকায় তৌখি। হৌজিক্ অসিদা ঐ অসি জগত্তা, সমাজদা মহা ওইনা নিন্দা তৌননীঙায় ওইদুনা লৈরে। অদুনা, সঞ্জয়! ঈরায়বক্ থীরবা ঐসে লেম্‌হৌরিবা পুনশিগী মতেক অসিমদি, তোল্লবা হৃদয়বা অমদি নিন্দা তৌনিঙাই ওইবা অবস্থাদা লেনবা হায়দুদা মতারে ॥৪২॥ সঞ্জয়! ঐ অসে, মমাঙৈদা মী খ্বাইনা লুনা কিনা তরাম্না তৌরম্বা নিপা অমা ওইরম্বনি। অদুবু, হৌজিক্তি লোকসমাজ অসিদা মীনা উশিথওইবিদরবা তূকচরবা মীশক অম ওইনা পুনশি লেনগ্রগে ॥৪৩॥ সঞ্জয়! ভীষ্ম দ্রোণ লৈখিদবদো মাদুদা ঐ য়াম্ না রাখি; অদুবু মাদুগী অরাবদুদগী হন্দক্ কর্ণ লৈখিদবগী অয়াবসিনা ঐঙোন্দা থর হেনবোই তৌই ॥৪৪॥ সঞ্জয়! ভীষ্ম দ্রোণ লৈখিদ্রবসু কর্ণ লৈরিদনা হায়বা খল্লুবদা অদুক্ য়াম্না রারম্‌দে। অদুনা হৌজিক্ কর্ণ লৈত্রে হায়বাসনদি ঐখোয়গী তেঙ্গোন্দা লাম্নী কনামতসু লৈত্রে হায়না ঐনা খল্লে। মরমদি কর্ণতনা ঐগী ইচাশিং পুয়মকী সহায় ওইনা লৈরম্বনি ॥৪৫॥ কল্লবা কর্ণ হায়বদুনা ঐগীদমক্তা অতৎ অথম্ লৈতনা য়েক্লবগী মথক্তা তেল্ মপৈ মপৈ কাপশিন কাপশিন্না নীঙহন্নদবা লালকমদা থরাই থাখি। অদুনা অখোইবদু য়াওদনা ঐনা হৌজিক হিংদুনা লৈবগী কান্নবা লৈত্রে ॥৪৬॥ বজ্রনা থায়-থরবা চীঙদুম্ অমগী মতৌঙম্না অকনবা কর্ণদো অর্জ্জুনগী তেন্না পানবদা রাং চাউরবা মথ মথক্তগী লৈমায়থক্তা ওন্থরম্বা তাই ॥৪৭॥

মমায়বা শামান্ লেংমায়বা, লম্‌পা শামু অমনা
মমায়বগা য়াথিরবদা, খুঙম্ নাম্বোক্‌না তুদুনা
মশা ঈহং নাইহং শাদুনা, লৈমায়থক্ত তুথীবঙম্
কর্ণ হায়বা অকনবদুসু, লৈমায়থক্ত লৈরিনি তাদুনা ॥৪৮॥
ধৃতরাষ্ট্র ঐগী ঈচাশিংগী; পাজল ওইরম্বা মহাক্নি।
পাণ্ডব লাম্নী পুম্বগী, কিনকম্ ওইরম্বা মহাক্নি।

স হি বীরো মহেষ্বাসো মিত্রাণামভয়ঙ্করঃ। শেতে বিনিহতো বীরঃ শক্রেণেব পুরা বলঃ ॥৫০॥
পত্যোর্বিষাদগমনং দারয়স্ত্যেব কামিতম্। দুর্য্যোধনস্য শোকশ্চ সমাস্তেনাভি সঞ্জয় ॥৫১॥
অন্যথা চিন্তিতং কার্য্যমন্যথা তত্তু জায়তে। অহো নু বলবদ্দৈবং কালশ্চ দুরতিক্রমঃ ॥৫২॥
পলায়মানঃ কৃপণো দীনাত্মা দীনপৌরুষঃ। কচ্চিন্নিহতঃ সূত। পুত্রো দুঃশাসনো মম ॥৫৩॥
কচ্চিন্ন দীনাচরিতং কৃতবাংস্তাত। সংযুগে। কচ্চিন্ন নিহতঃ শূরা যথান্যে ক্ষত্রিয়র্ষভাঃ ॥৫৪॥
যুধিষ্ঠিরস্য বচনং মা যুধ্যস্বেতি সর্ব্বদা। দুর্য্যোধনো নাভ্যগৃহ্লান্মূঢ়ঃ পথ্যমিবৌষধম্ ॥৫৫॥
শরতল্পে শয়ানেন ভীষ্মেণ সুমহাত্মনা। পানীয়ং যাচিত পার্থঃ সোঽবিধ্যন্মেদিনীতলম্ ॥৫৬॥
জলস্য ধারাং জনিতাং দৃষ্ট্বা পাণ্ডুসুতেন চ। অব্রবীৎ স মহাবাহুস্তাত। সংশাম্য পাণ্ডবৈঃ ॥৫৭॥
প্রশমাদ্ধি ভবেচ্ছান্তির্মদর্থং যুদ্ধমস্তু বঃ। ভ্রাতৃভাবেন পৃথিবীং ভুঙ্‌ক্ষ্ব পাণ্ডুসুতৈঃ সহ ॥৫৮॥

অহুগন্থা কর্ণ অকন্‌বা, অর্জ্জুনগী মথুক্তা তুপ্পবা।
আসদগী হেম্র ঙককম্ রানকম্, কায়বু অমা লৈপবা। ॥৪৯॥
ওহোকৃপনি। সঞ্জয়। 'অমুক্ কায় হায়ান, বলাস্থর কৌবা অকনবনা
ইন্দ্রগী মথুক্ত তুহ্না, লৈমায়থক্ত ভাবগুম্
অকন্‌বা কর্ণ কোবনা, মরুপ্‌কী অকিবা কোক্‌হন্‌বনা
অর্জ্জুনগী মথুক্তা তুহনা লৈমায়থক্ত হীপ্‌খবা। ॥৫০॥

সঞ্জয়। এনা অস্থম্ থন্‌বদা খোঙ ভেক্‌পনা চীংজাও কাবগা, লায়রবনা নীঙবপুব থুংবগা অহুগা দুর্য্যোধননা অপান্থ কংজবগা অহম্ আস চপ্‌ মায়রে ॥৫১॥ নীঙখিবা থবক্‌না অম্‌ ওইরক্‌পা মওংনা অমা। অঃ দৈব। শক্তিদবা। নংাস কয়াদা কনগ্রবা। মতম। নংগী খোঙচৎসি কয়াদা ভনগ্রবা। ॥৫২॥ সঞ্জয়। ঐগী ঈচা দুঃশাসন হায়বহুবু নিপা খোক্‌পা মথৌনা লৈতনা, পাণ্ডব্রবা অমগা মতৌগুম্ নাঙহয়না চেয় চেয়া মথয়াই থাগ্রবরা? ॥৫৩॥ ঈবুঙো সঞ্জয়। লালম্‌দা মহাক্রা পাণ্ডব্রবঃ শেল্লবা অমগুম্‌দি শিখিদেদনকো? কয় কয়বা লাম্মী রথী মহারথী কয়ানা লাগ্নকম্‌দ ভুখবঙ্গুম মহাকম্ব লানকম্‌দা তুখিদবর? ॥৫৪॥ ওহোকপনি। "দুর্য্যোধন। লাল্ তৌগ্নাস, লাল্ শোক্রগনু" হায়না যুধিষ্ঠির হায়বা ধর্ম্ম চেম্রবহুনা হয় হয়া হায়খিবদো। মূর্খ দুর্য্যোধননা মাহুং মনাকোংদা কায়মতা হাপখিদে ॥৫৫॥ মহাত্মা ওইরবা ভীষ্মনা লালকম্‌দা শরশর্য্যাথক্ত চেপ্‌গ্রবা মতম্‌দ ঈশিং থকে হায়রবদা অর্জ্জুননা লৈপুংদগী ঈশিং পুথোক্ত্‌না ভীষ্মদেবদ জলপান তৌহনাখ ॥৫৬॥ লৈপুংদগী ঈশিং পুথোক্ত্‌না ঈশিং পীবক্‌খিবা মতমদা অহুগা অর্জ্জুননা পৃথিবীবু থিনগাইবহু উবদা ভীষ্মনা "দুর্য্যোধন। নং নচীননাও পাণ্ডব-শিংগা সান্ধ তৌনো" হায়না মওোন্দ্র কধায়ক্ ভাক্‌পিখি ॥৫৭॥ অহুগা অমুক্ কয়ি হায়খিবগে হায়বনু "দুর্য্যোধন। পক্ক অনীনকো ময়ক্ত সান্ধ তৌহুনা অমগা অমগা চায়ন লৈবনা বখোয় পূবগী মঙ্গল ওইগনি, ওইনু ওকসনু। পাণ্ডবাশিং নচীয়নাওশিংগা লোয়ননা রাজভোগ চাহুনা

অব্রবীদ্ বচনং তস্য নূনং শোচতি পুত্রকঃ তদিদং সমনুপ্রাপ্তং বচনং দীর্ঘদর্শিনঃ ॥৫৯॥
অহন্তু নিহতামাত্যো হতপুত্রশ্চ সঞ্জয়।। দ্যূততঃ কৃচ্ছ্রমাপন্নো লূনপক্ষ ইব দ্বিজঃ ॥৬০॥
যথা হি শকুনিং গৃহ্য ছিত্বা পক্ষৌ চ সঞ্জয়। বিসর্জয়ন্তি সংহৃষ্টাঃ ক্রীড়মানাঃ কুমারকাঃ ॥৬১॥
লূনপক্ষতয়া তস্য গমনং নোপপদ্যতে। তথাহমপি সংপ্রাপ্তো লূনপক্ষ ইব দ্বিজঃ ॥৬২॥
(যুগ্মকম্)

ক্ষীণঃ সর্বার্থহীনশ্চ নির্জ্ঞাতির্বন্ধুবর্জিতঃ। কাং দিশং প্রতিপৎস্যামি দীনঃ শত্রুবশং গতঃ ॥৬৩॥
যোঽজয়ৎ সর্বকাম্বোজান্ অম্বষ্ঠান্ কেকয়ৈঃ সহ। গান্ধারাংশ্চ বিদেহাংশ্চ জিত্বা কার্য্যার্থমাহবে ॥৬৪॥
দুর্য্যোধনস্য বৃদ্ধ্যর্থং যোঽজয়ৎ পৃথিবীং প্রভুঃ। স জিতঃ পাণ্ডবৈঃ শূরৈঃ সমরে বাহুশালিভিঃ ॥৬৫॥
(যুগ্মকম্)

তস্মিন্ হতে মহেষ্বাসে কর্ণে যুধি কিরীটিনা। কে বীরাঃ পর্য্যতিষ্ঠন্ত তন্মমাচক্ষ্ব সঞ্জয়। ॥৬৬॥
কচ্চিন্নৈকঃ পরিত্যক্তঃ পাণ্ডবৈর্নিহতো রণে। উক্তং ত্বয়া পুরা তাত। যথা বীরো নিপাতিতঃ ॥৬৭॥

লৈহু" অসিনি ॥৫৮॥ হৌজিক্তি ভীষ্মনা হায়বিখিবা রাহু নীঙ্‌শিংহুনা অনুতাপ তৌরিরিনি। ররমদি মহাক্ক ভুংগী আকাওবা উয়বা ভীষ্মনা-হায়খিবহুগী মহৈ মমীৎনা হৌজিক্তি উজরে ॥৫৯॥ সঞ্জয়। ঐগী ঈচাশিং মন্ত্রীশিং অয়াম্বা হাৎখ্রে। মাসে, অহুঙৈগী চৌবরহুগী মহৈনি। হৌজিক্তি ঐখোয় মশা কক্‌প্রবা উচেক্‌য় লৈমায়থক্ত তায়বনি ॥৬০॥ সঞ্জয়। অঙাং মচাশিংনা য়াম্ম মুং-ঙাইনা উচেক অমবু মশা কক্‌থৎপিয়গা লৈমায়ৎক্ত থাদবিবা, অদুগা উচেক্ অহুনা করিমত্তা লেঙবা ওৎপা হৈমদনা লৈমায়ৎক্তা তাহুনা লৈবা অহুঙম্মা ঐসু মতম্ অসিদা মশা কক্‌প্রবা উচেক্ অহুঙম্মা তাদুনা লৈয়েদো। ॥৬১—৬২॥

ঈচাক্ ইয়ল ভুমখয়ে, শাগৈ নাতৈ ঈচা ঈশূ
মক্কপ মপাং মাঙ্‌খয়ে, লল্‌গৈ পুগৈ মাঙ্‌শিন্‌খ্রে
অসিঙম্বা তাঙ্গ্রা অসিদা, য়েক্কবগী মখা পোন্দুনা
লমদম্ কৈদ চৎসিগে, হন্নুরবা ঈমিৎ উত্রবা ঐনা ॥৬৩॥
দুর্য্যোধনগী পুক্কীং পেম্নবা, মনীঙ্ খুংনবা হায়হুনা
কাম্বোজ অম্বষ্ঠ কেকয় গন্ধার, বিদেহনচিংববু ঙ্‌মহুনা
দুর্য্যোধনগীদমক্ত হায়হুনা, লোইপোৎ হাহন্‌খি মহাক্কা
অহুঙম্বা কল্লবা কর্ণবু, পাণ্ডবশিংনা জয় তৌখ্রেকো। ॥৬৪—৬৫॥

কয়ে, মাসি লৈখিসনু, কপ্পা তোক্লগে, খোক্কদবা খোকখ্রে। অর্জ্জুননা মতৌ কয়য়া মহাধনুর্দ্ধারী কর্ণবু চাৎখিবা অদুগা মহাকপু তুহন্‌খ্রবা ভুং অসিদা কৌরব পক্ষগী অকন্‌বা কনা কনা লৈরি, করি করি তৌখি। য়াহুনা তম্‌থরক্উ তাগে ॥৬৬॥ ঈবুঙো। সঞ্জয়। নহাক্কদি কর্ণ ভুখ্রে হায়না পাউদম্রি। মসিদা ঐনা নত্তোন্দা হংলিবদি অর্জ্জুননা চঙশিন্নকপাহুদা কৌরব লান্মী

ভীষ্মমপ্রতিযুধ্যন্তং শিখণ্ডী সায়কোত্তমৈঃ। পাতয়ামাস সমরে সর্বশস্ত্রভৃতাং বরম্॥৬৮॥
তথা দ্রৌপদিনা দ্রোণো ন্যস্তসর্বায়ুধো যুধি। ধর্মরাজবচঃ শ্রুত্বা অশ্বত্থামা হতস্থিতি॥৬৯॥
যুক্তযোগো মহেষ্বাসঃ শরৈর্বহুভিরাচিতঃ। নিহতঃ খড়্গমুদ্যম্য ধৃষ্টদ্যুম্নেন সঞ্জয়! ॥৭০॥

(যুগ্মকম্)

অন্তরেণ হতাবেতৌ ছলেন চ বিশেষতঃ। অশ্রৌষমহমেবৈতৌ ভীষ্মদ্রোণৌ নিপাতিতৌ॥৭১॥
ভীষ্মদ্রোণৌ হি সমরে ন হন্যাদ্বজ্রভৃৎ স্বয়ম্। ন্যায়েন যুধ্যন্ সমরে তদ্বৈ সত্যং ব্রবীমি তে॥৭২॥
কর্ণং ত্বস্ত্রমস্ত্রাণি দিব্যানি চ বহূনি চ। কথমিন্দ্রোপমং বীরং মৃত্যুর্যুদ্ধে সমস্পৃশৎ॥৭৩॥
যস্য বিদ্যুৎপ্রভাং শক্তিং দিব্যাং কনকভূষণাম্। প্রায়চ্ছদ্দ্বিষতাং হন্ত্রীং কুণ্ডলাভ্যাং পুরন্দরঃ॥৭৪॥
যস্য সর্পমুখো দিব্যঃ শরঃ কাঞ্চনভূষণঃ। অশেত নিশিতঃ পত্রী সমরেষ্বরিসূদনঃ॥৭৫॥
ভীষ্মদ্রোণমুখান্ বীরান্ যোঽবমত্য মহারথান্। জামদগ্ন্যান্মহাঘোরং ব্রাহ্মমস্ত্রমশিক্ষত॥৭৬॥
যশ্চ দ্রোণমুখান্ দৃষ্ট্বা বিমুখানর্দিতান্ শরৈঃ। সৌভদ্রস্য মহাবাহুর্ব্যধমৎ কার্মুকং শিতৈঃ॥৭৭॥

পুম্নমক্না কর্ণবু মৎত্ত হন্নোক্লম্লবদা কর্ণনা মখত্ত তরক্ তরক্না শিথিবদি তৌদেকো? ॥৬৭॥ জগত্ত খুৎলায় পায়বশিংগী মমুংদা অথোবা ভীষ্মনা শিখণ্ডীগা মায়োক্কনা লান্ তৌখিদে। খুৎলায় থাদোক্তুনা লৈরবা ভীষ্মবু শিখণ্ডীনা হুহনখি ॥৬৮॥ অদুগা সঞ্জয়! "অশ্বত্থামা শিরে" হায়বসি যুধিষ্ঠিরগী মচান্দগী হেক্ তাবদা মহাধনুর্দ্ধারী দ্রোণনা থেজ্জনা মশা পুম্বা পুম্নোম্ য়োম্খিদ্লনা হুক্তায়রবনা খুৎলায় থাদোক্তুনা মুংগুক্ মুংজাননা লৈরিবৈদা অদুগা যোগাসনদা কমদুনা লৈরবা অৎম্বা অতুদা দ্রুপদগী মচা ধৃষ্টদ্যুম্ননা হোক্চিল্লক্তুনা থাংশাং হায়গত্তুনা দ্রোণগী মতক্ ককখি ॥৬৯—৭০॥

ভীষ্ম-দ্রোণ অনীবুদি কীভম্ ইতাউ তাউনা লৈরিবৈদা অহোবা তাঞ্জাদুদা হুহনখিবনি। মখোয়বু হুহনখিবদি নম্থাক্ লৌনম্ননি হায়বসি তারে ॥৭১॥ নত্রংদবু, সঞ্জয়! লানকম্দদি ইন্দ্রমক্তবু ভীষ্ম-দ্রোণ অনীবু হাৎপা ঙম্লোইদৌবনি। মাসি ঐ নঙোন্দা থাজৈশংনা হায়রিবসিনি ॥৭২॥ অদুগা কর্ণগীদি মহাক্না কন্নিমত্তা লেপ্তুনা তেল কাপহুনা লৌক্নরিবৈদা মতোন্দা করম্না মৃত্যু হায়বদুনা চঙ্ককখিবনো? ॥৭৩॥ ইন্দ্রনা মাগী কুণ্ডলনাইন্ অনীমু লৌরগা মাদুগী মহুত্তা থোইদোক্ললংলবা মর্ত্যলোকত্ত কংব্রবা সনাহৎলবা, য়েক্লববু হাৎঙবা তা অম মতোন্দ পীখি। মহাকী তেক্নোংদা নিল্মচীনশাবা, মর্ত্তলোককী পোলক্ ওইদবা, সনা হৎলবা থোইদোক্ক থৌরবা নাকল্ হেৎলোম্ ওইরোম্দা হেক্লনা মশাদৌনা থপ্রবা, য়েক্লববু শোয়দনা পাম্নগদবা তেল্ অম ইফৎহৎতনা হেক্-হেক্ চঙ্কক্তুনা লৈ। মহাক্না ভীষ্ম-দ্রোণ কাওবা উশিত্তদুনা পরশুরামগী মকমদা অকিবগী মংক্ ওইবা ব্রহ্মাস্ত্র কাম্ন কাওবা তম্খি। দ্রোণনচিংবা অকনবা কয়ানা অভিমন্যুগী থৌরবা থেক্পী মৈশা থাহবা য়াইখ্রদুনা মমায় খন্দুনা চেক্লবা মৎম্দা কর্ণ হায়বা কক্তৌরবা নিপা অদুনা

যচ্চ নাগাযুতপ্রাণং বজ্রসংহননাচ্যুতম্। বিরথং সহসা কৃত্বা ভীমসেনমথাহসৎ ॥৭৮॥
সহদেবঞ্চ নির্জিত্য শরৈঃ সন্নতপর্ব্বভিঃ। কৃপয়া বিরথং কৃত্বা নাহনদ্ধর্মচিন্তয়া ॥৭৯॥
যচ্চ মায়াসহস্রাণি বিকুর্ব্বাণং জয়ৈষিণম্। ঘটোৎকচং রাক্ষসেন্দ্রং শক্রশক্ত্যা নিজঘিবান্ ॥৮০॥
এতাংশ্চ দিবসান্ যস্য যুদ্ধে ভীতো ধনঞ্জয়ঃ নাগমদ্দ্বৈরথং বীরঃ স কথং নিহতো রণে ॥৮১॥
(যুগ্মকম্)

রথভঙ্গো ন চেত্তস্য ধনুর্ব্বা ন ব্যশীর্য্যত। ন চেদস্ত্রাণি নষ্টানি স কথং নিহতঃ পরৈঃ ॥৮২॥
কো হি শক্তো রণে কর্ণং বিধুন্বানং মহদ্ধনুঃ। বিমুঞ্চন্তং শরান্ ঘোরান্ দিব্যান্যস্ত্রাণি চাহবে ॥৮৩॥
জেতুং পুরুষশার্দ্দূলং শার্দুলং বেগিনম্। ধ্রুবং তস্য ধনুশ্ছিন্নং রথো বাপি মহীং গতঃ ॥৮৪॥
অস্ত্রাণি বা প্রনষ্টানি যথা শংসসি মে হতম্। নহ্যন্যদপি পশ্যামি কারণং তস্য নাশনে ॥৮৫॥
(বিশেষকম্)

ন হন্মি ফাল্গুনং যাবত্তাবৎ পাদৌ ন ধাবয়ে। ইতি যস্য মহাঘোরং ব্রতমাসীন্মহাত্মনঃ ॥৮৬॥

চোংশিন্দুনা অভিমন্যুগী লীরুং অহুবু ককৃথত্তুনা থাদখি। শামু লিশিং তরাগী পাঙ্গল লৈবা ব্রজগুণ্ উইরবা, শাফু কল্লবা অহুগুম্বা কল্লবা কর্ণনা কল্লবা ভীমসেনবু মাগী অকনবগী ধর্ম্মগী লীকলমদগী নাম্বোকহন্দুনা ভীমবু রথয়াওহন্দনা হন্নহন্না করেন্নহুনা ঈকায়বা পীখি। অদুগা মহাক্লা সহদেববু রথয়াওহন্দনা থোঙমী অমা ওইহনখি। কুন্তীগী মকমদা রাশকখিবহুতনা কর্ণনা সহদেববু থাদোক-পিখিবনি; অদুগা মাগী থরাইবু কর্ণনা লৌবিখিদে। ইন্দ্রনা পীরকপা থুংলায় অদুগী পাম্বৈনা মায়াগী লাল লিশিং লিশিং পুথোরকনা পাণ্ডবশিংগী কনবত থগ্গরম্বা হিংচাবা অথোইবা ঘটোৎকচবু হাৎখি। অমুক্ কুইবসি অর্জ্জুননা চোংথোরক্লগা কর্ণগা মুখামুখি ওইনা থেংনন্নিবসে অর্জ্জুননা কর্ণবু কিবদগীনি। অদুবু অর্জ্জুননা মতৌ করম্না কর্ণবু হাৎখিবনো ॥৭৪—৮১॥ অকন্বা মহাক্কী শগোল সারথি রথ লীরুং তেম্নচিংবনা পূমলোই লোইথিবমক্ থোকৃথিত্রবদি য়েন্নবনা মাবু করম্না অমুক্ রায় লায়না হাৎখিবনো ॥৮২॥ কৈজাউগী মতৌগুম থৌরবা কৈগুম কর্ণনা মাগী লীরুং অহু পায়খুনা লীরীবু মাকোং মক্ক কংনা চিংহুনা অতৎ অথম্ লৈতনা কাপ্‌শিন্নিতৈ অহুদা কনানা মাবু করম্না হাৎখিবনো। অহুনদি সঞ্জয়। লালকম্ অহুদা করিগুম্বা ঘটনা অম হায়বদি লীরুং ককৃথিবগুম্বা, ককৃথিবহুদা অম পায়নীওডায় লৈতবগুম্বা নত্রগা করিগুম্বা মমাতৈগী শাপ অমদগী থুংলায় তুমশিনথিবগুম্বা নত্রগা মাগী রথ অহু লৈমুংদা কুম্জিনথিবগুম্বা উপদ্রব অমদি শোয়দনা থোকলম্বা তাই। নত্রবদবু কর্ণবু ঈমায় লায়না হাৎপদি কনাঅমতনা পাক্ তমোই। অহুগম্ নহাক্লা কর্ণ হাৎথ্রে হায়না ঐতোম্বা পাউদম্মি।সঞ্জয়! ঐদি কর্ণবু হাৎখিবগী মরম্ অসি হৌজিক্ কাওবা থিবা ঈথও থগুন্নি ॥৮৩—৮৫॥ "অর্জ্জুনবু হাত্নিঘটৈ ঐ খোঙ অনীসি কম্নিগুবদা হাম্থিরোই" অমুম্ হায়না রাশক চেৎলবা মহাপ্পা অদুগী কল্লবা রাশক মত অথা

যস্ত ভীতো রণে নিত্যং ধর্ম্মরাজো যুধিষ্ঠিরঃ। ত্রয়োদশ সমা নিত্যং নাভবৎ পুরুষর্ষভঃ ॥৮৭॥
যস্য বীর্য্যবতো বীর্য্যমুপাশ্রিত্য মহাত্মনঃ। মম পুত্রঃ সভাং ভার্য্যাং পাণ্ডূনাং নীতবান্ বলাৎ ॥৮৮॥
তত্রাপি চ সভামধ্যে পাণ্ডবানাঞ্চ পশ্যতাম্। দাসভার্য্যেতি পাঞ্চালীমব্রবীৎ কুরুসন্নিধৌ ॥৮৯॥
ন সন্তি পতয়ঃ কৃষ্ণে! সর্ব্বে ষণ্ডতিলৈঃ সমাঃ। উপতিষ্ঠস্ব ভর্ত্তারমন্যং বা বরবর্ণিনি! ॥৯০॥
ইত্যেবং যঃ পুরা বাচো রূক্ষাঃ সংশ্রাবয়ন্ রুষা। সভায়াং সূতজঃ কৃষ্ণাং স কথং নিহতঃ পরৈঃ ॥৯১॥
(কুলকম্)

যদি ভীষ্মো রণশ্লাঘী দ্রোণো বা যুধি দুর্ম্মদঃ। ন হনিষ্যতি কৌন্তেয়ান্ পক্ষপাতাৎ সুযোধন! ॥৯২॥
সর্ব্বানেব হনিষ্যামি ব্যেতু তে মানসো জ্বরঃ। কিং করিষ্যতি গাণ্ডীবমক্ষয্যৌ চ মহেষুধী ॥৯৩॥
স্নিগ্ধচন্দনদিগ্ধস্য যস্যৈবং শ্লাঘিতাবতঃ। স নূনমৃষভস্কন্ধো হ্যর্জ্জুনেন কথং হতঃ ॥৯৪॥ (বিশেষকম্)
যশ্চ গাণ্ডীবমুক্তানাং স্পর্শমুগ্রমচিন্তয়ন্। অপতির্হ্যসি কৃষ্ণেতি ব্রুবন্ পার্থানবৈক্ষত ॥৯৫॥
যস্য নাসীদ্ভয়ং পার্থাৎ সপুত্রাৎ সজনার্দ্দনাৎ। স্ববাহুবলমাশ্রিত্য মুহূর্ত্তমপি সঞ্জয়! ॥৯৬॥

লৈখনি। যুধিষ্ঠিরনা কর্ণতগী খক্তকবদা বনদা চহী তরাহুম্‌দাই চুপ্প তুম্‌কম্ চাকম্ খঙঙ্‌দ্রবনি। চৌরসভাদা অবনবা কর্ণ লৈহিদবু কনানা করি তৌজরগদগে হায়রুনা কর্ণগী বীরত্বগী মথক্ত আশা থম্‌দুনা দুঃশাসননা দ্রৌপদীবু সভাময়ায়দা ঈকায়বা পীখি। কর্ণ মহাক্না সভাময়ায়দা পাণ্ডবশিংগী মাঙ্‌মক্তদা "নংদি মীনায়গী লোয়নবীনি" হায়না দ্রৌপদীদা হায়খি। অমুকন্থু "ঈবেম্মা! কজবী! কৃষ্ণে! নংগীদি নপুরোয়বশিংসে লৈত্রবগুম্বনি। মখোয়দি পাণ্ডব্রবা নপুংসক মক্ত ওইরবনি। অদুনা মখোয়না নহাকপু পেনহনবা ঙম্মরোই। ঐখোয়গী মরক্তগী অপাম্বা অমত্তং নপুরোয়বা ওইনা খল্লো।" অসিগুম্বা তম্‌থিরবা কন্নবা রাহৈসি পঞ্চপাণ্ডবপু করিমত্ত বিদনা কর্ণনা ঙাঙ্‌খি। অদুগুম্বা, পাণ্ডবশিংবু নাপীগুম্ উরবা কর্ণনা করম্ হায়না অনুক লায়না লানকম্‌দ: য়েক্তবশিংগী মখুত্তা ভুপ্রিবনো। ॥৮৬—৯১॥ "দুর্য্যোধন! মরুপ! নিংথৌ! ভীষ্ম-দ্রোণ অনী অসে মন্নুং মন্নুংদা পাণ্ডবকী মীচঙ্ ওইরবনি। মখোয়না কৈদোউনদন্থু পাণ্ডবশিংবু হাৎলরোইদৌবনি। মখোয়না হাৎকবন্থু ঐনা হাৎপিনি। অদুনা করিমত্ত রান্থু। ঐগী থাউ অমদি চন্দননা শূৎ নায় তৈরবা খোয়বা তেনগী মপৈ মপৈনা অর্জ্জুন ভয়া পাইশিনখ্রবদা মাগী গাণ্ডীবনা অমাঙ অতা কৈত্রবনি হায়রিবা তেজ্জোং অনী অসিনা ঐওন্দা কৈদোদৌরিবনো।" অম্রম হায়না মশাগী পাজন শক্তিদা বিশ্বাস তৌদুনা চাউখোক্ত হায়খিবা কর্ণবু মতৌ করম্না অর্জ্জুননা হাৎখ্রিবনো? ॥৯২—৯৪॥ ঈবুঙো সঞ্জয়! অর্জ্জুনগী গাণ্ডীবদগী পাইখোরকদোবা তেনশিং অমুনা থাকগদবগী চিন্তা অমু লেশমাত্র তৌদনা "দ্রৌপদী! নংগী নপুরোয়বশিংসে কৈত্রবনি।" অম্নুমা হায়ন হায়না কর্ণনা পাণ্ডবশিংদা করেম্ববা উশিত্তবগী মীৎয়েংনা য়েংখিবনি। মশাগী মথক্তগী শক্তিদা বিশ্বাস থমুদুনা মহাক্না অভিমন্যুবু মকথু অদুগা অর্জ্জুনমথক্তপুন্থ শয়া অমত্ত

তস্য নাহং বধং মন্যে যৈরৈরপি সমাগতৈঃ। প্রতীপকরিত্রৈর্বহুভিঃ কিং পুনরাজ্ঞ। শাস্তৈঃ ॥৯৭॥
(বিশেষকম্)

যদি তাং সংস্পৃশানস্য তনয়ে হ্যপি গুরুতঃ। পুমানাশ্রিত্য বাহুং কশ্চিৎ প্রমুখতোঽর্হতি ॥৯৮॥
অথি স্বায়েদিনী হীনা সোমসূর্য্যপ্রভাংশুভিঃ। ন বধঃ পুরুষেন্দ্রস্য সংযুগেষ্বপলায়িনঃ ॥৯৯॥
যেন মন্দঃ সহায়েন ভ্রাত্রা দুঃশাসনেন চ। বাসুদেবস্য দুর্বুদ্ধিঃ প্রত্যাখ্যানমরোচত ॥১০০॥
স নূনং বৃষভস্কন্ধং কর্ণং দৃষ্ট্বা নিপাতিতম্। দুঃশাসনঞ্চ নিহতং মন্যে শোচতি পুত্রকঃ ॥১০১॥
(যুগ্মকম্)

হতং বৈকর্তনং শ্রুত্বা দ্বৈরথে সব্যসাচিনা। জয়তঃ পাণ্ডবান্ দৃষ্ট্বা কিং স্বিদ্দুর্য্যোধনোঽব্রবীৎ ॥১০২॥
দুর্ম্মর্ষণং হতং দৃষ্ট্বা বৃষসেনঞ্চ সংযুগে। প্রভগ্নঞ্চ বলং দৃষ্ট্বা বধ্যমানং মহারথৈঃ ॥১০৩॥
পরাঙ্মুখাংশ্চ রাজ্ঞস্তু পলায়নপরায়ণান্। বিদ্রুতান্ রথিনো দৃষ্ট্বা মন্যে শোচতি পুত্রকঃ ॥১০৪॥
(যুগ্মকম্)

অনেয়শ্চাভিমানী চ দুর্বুদ্ধিরজিতেন্দ্রিয়ঃ। হতোৎসাহং বলং দৃষ্ট্বা কিংস্বিদ্দুর্য্যোধনোঽব্রবীৎ ॥১০৫॥

কিথিদবা কর্ণনি। ঐনা অস্তুম্ খনবদা সঞ্জয়! দেবতাশিংনা উক্সমক্ত। লোয়ননা চঙ্লকলবস্থ মখোয়না তয়াইনা কর্ণবু হেক হাৎপা ওস্নোইদৌবনি। পাণ্ডবশিংগীদি করি অমুক্ হায়গনি? ॥৯৫—৯৭॥ কর্ণনা লীমী হাপতুনা তেন্দা থোংতুনা চীঙতক্পদা মাগী মমাঙদা কনা অমত্তনা খেৎ হাইজিন্বা ওস্নোইদৌবনি ॥৯৮॥

থুমিৎ-থা অনীগী মঙান্বু, পৃথিবীনা কংজে হায়বদি মাগনি
লান্দা হন্দবা নিপা অথোইবা; কর্ণবু হাৎখ্রে হায়বসি ওইথোক্তবনি ॥৯৯॥

মপঙ্ পঙলবা কত্রবা দুর্য্যোধণনা কর্ণগী অমদি মনাও দুঃশাসনগী মথক্তা আশাপুম থমদুনা লম্বিগীদমক্ত কৃষ্ণনা তৌথিবা প্রস্তাব অহুকাওবা থোৌশাথিদে। অদুগা কর্ণনা অমদি দুঃশাসননা লৈথিদবদু উবদা পঙলগা দুর্য্যোধন অদু হৌজিক্তি অনুতাপ তৌরমিনি, য়ায়া বারমিনি হায়না নীঙই ॥১০০—১০১॥ মুখা মুথি ওইনা শোয়বা মথগী লান্দা অর্জ্জুননা কর্ণবু হাৎলবদা, অদু শোয়দনা ওইরনি হায়না উরবা পাণ্ডবশিংদা দুর্য্যোধণনা করি হায়খি? ॥১০২॥ সঞ্জয়! ঐনা খল্লি, দুর্ম্মর্ষণ-বৃষসেন হাৎখ্রে, পাণ্ডব পক্ষগী মহারথীশিংনা হাৎচিন্নকপদা কৌরব লান্মী পূম্বা কায়নয়ে। কৌরবকী নিংথৌ লান্মী পূম্বা মমায় ওন্দুনা চেন্নবে মসি পুন্নমক উবদা দুর্য্যোধন অদো অরাবা দুংঙাইতবা অমদি কিবনা তৌকম্ খঙঙ্গিরোই নত্রা? ॥১০৩—১০৪॥ খুৎক্ত খুৎলায়, নীঙথিবা তম্‌দুনা হৈজবা, নাপল চাউবা থোয়বরা, মথুৎচেক্ কত্রবা ইন্দ্রিয় খুদম চনবা তমদুনা দুর্য্যোধন হায়বদুনা কৌরব লান্মী পূম্বদা নীঙবা কায়দুনা মপূক্রীং হন্দনা চেন্নবদু উবদা

ধ্রুবং বৈরং মহৎ কৃত্বা পার্থিবাঃ সুহৃদ্গণৈঃ ।
এবমে হতভূয়িষ্ঠৈঃ কিংস্বিদ্দুর্য্যোধনোঽব্রবীৎ ॥১০৬॥

ভ্রাতরং নিহতং দৃষ্ট্বা ভীমসেনেন সংযুগে ।
রুধিরে পীয়মানে চ কিংস্বিদ্দুর্য্যোধনোঽব্রবীৎ ॥১০৭॥

সহ গান্ধাররাজেন সভায়াং যদভাষত ।
কর্ণোঽর্জ্জুনং রণে হন্তা হতে তস্মিন্ কিমব্রবীৎ ॥১০৮॥

দ্যূতং কৃত্বা পুরা হৃষ্টো বঞ্চয়িত্বা চ পাণ্ডবান্ ।
শকুনিঃ সৌবলস্তাত । হতে কর্ণে কিমব্রবীৎ ॥১০৯॥

কৃতবর্ম্মা মহেষ্বাসঃ সাত্বতানাং মহারথঃ ।
হতং বৈকর্ত্তনং দৃষ্ট্বা হার্দ্দিক্যঃ কিমভাষত ॥১১০॥

ব্রাহ্মণাঃ ক্ষত্রিয়া বৈশ্যা যস্য শিক্ষামুপাসতে ।
ধনুর্বেদং চিকীর্ষন্তো দ্রোণপুত্রস্য ধীমতঃ ॥১১১॥

যুবা রূপেণ সম্পন্নো দর্শনীয়ো মহাযশাঃ ।
অশ্বত্থামা হতে কর্ণে কিমভাষত সঞ্জয় । ॥১১২॥

(যুগ্মকম্)

আচার্য্যো যো ধনুর্বেদে গৌতমো রথসত্তমঃ ।
কৃপঃ শারদ্বতস্তাত । হতে কর্ণে কিমব্রবীৎ ॥১১৩॥

মদ্ররাজো মহেষ্বাসঃ শল্যঃ সমিতিশোভনঃ ।
দৃষ্ট্বা বিনিহতং কর্ণং সারথ্যে রথিনাং বরঃ ॥১১৪॥

কিমভাষত সৌবীরো মদ্রাণামধিপো বলী ।
দৃষ্ট্বা বিনিহতং সর্ব্বে যোধা বারণদুর্জ্জয়াঃ ॥১১৫॥

দুর্য্যোধননা মথোয়দা কমি হায়খি ॥১০৫॥ মরূপ মপাং শাগৈ নাত্তৈ কয়ানা হায়বা তাকপা লৌদবদগী অদুগা পাণ্ডবশিংগা য়েরূবা শীংনবা হৌরূবদগী মাগী অকনবা পূম্বা তুম্ববাসিদা অপঙবা দুর্য্যোধননা হৌজিক্ কমি হায়রি ? ॥১০৬॥ ভীমসেননা মনাও দুঃশাসনগী মথবাক্ শেগায়দুনা ঈ থক্লৌবদা অদুগা মাদু উবদা দুর্য্যোধন কমি হায়রি— কমি তৌগে খল্লি ? ॥১০৭॥ অদুক্তৈগী চৌবম সভাদা শকুনিগা লোয়নননা দুর্য্যোধননা অশুম্বা হায়খি :—"পাম্বা কর্ণনা অর্জ্জুনবু হাৎকনি"— । অদুবু সঞ্জয় । হৌজিক্তি মাদুগী মথক্ মখা ওয়রদুনা অর্জ্জুননদুম্ কর্ণবু হাত্তোকখ্রে । মাসিদা দুর্য্যোধননা কমি হায়রি ? ॥১০৮॥ ঈবুঙো সঞ্জয় । পাণ্ডবশিংবু নমথাকী চৌবরদা অয় তৌদুনা কাক্ কাক্ নোকখিবা, হরাউখিবা শকুনি হায়বদুনা হৌজিক কর্ণ হাৎখিবসি উবদা কমি হায়রি ॥১০৯॥ মহাধনুর্দ্ধারী ওইরবা অমদি সাত্বতবংশগী অথোইবা মহারথী ওইরবা, হার্দ্দিক্য মচা কৃতবর্ম্মানা কর্ণ হাৎখিবসি উবদা কমি হায়রি ? ॥ ১১০ ॥ সঞ্জয় ! ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয় বৈশ্যশিংবু ধনুর্বিদ্যাদা জ্ঞান কংহনগে হায়না খম্বুনা মপা দ্রোণগী মকমদগী খুৎলায় পূম্বা তমদুনা হৈথ্রবা; পাখঙ মপূং ফারবা, মশক্ মতৌ ফজরবা শাওং শাদা য়েংবদা নুংশিবা থিংচৎ চাউরবা অশ্বত্থামা হায়বদুদি, কর্ণ হাৎখিবসি উবদা কমি তৌগে খল্লি কমি অমমুক্ হায়রি ? ॥ ১১১—১১২ ॥ ঈবুঙো সঞ্জয় । মশামক্ ধনুর্বেদগী আচার্য্য অম ওইরবা, গৌতমগী গোত্রদা পোক্লবা রথি অথোইবা, শরদ্বানগী মচা কৃপ হায়বদুদি কর্ণ হাৎখিবসি উবদা কমি হায়রি ? ॥১১৩॥ সঞ্জয় । লীক্লং অচৌব পায়রবা, লানগী লৈতেং অম ওইনা লৈরবা সৌবীরগী বংশদা পোক্লবা, রথি অথোইবা, মদ্রদেশগী নেতা অম ওইরবা কল্লবা, কর্ণবক্তা মাগী সারথি ওইহনখরবা মদ্ররাজ শল্যদি কর্ণ হাৎখিবসি উবদা কয়দৌরি—কমি হায়রি ? অদুগা লাল শোক্লগনি হায়রবা

যে চ কেচন রাজানঃ পৃথিব্যাং যোদ্ধুমাগতাঃ। বৈকর্ত্তনং হতং দৃষ্ট্বা কান্তাবন্ত সঞ্জয়। ॥১১৬॥
(বিশেষকম্)

দ্রোণে তু নিহতে বীরে রথব্যাঘ্রে নরর্ষভে। কে বা মুখমনীকানামাসন্ সঞ্জয়। তাবশঃ ॥১১৭॥
মদ্ররাজঃ কথং শল্যো নিযুক্তো রথিনাং বরঃ। বৈকর্ত্তনস্য সারথ্যে তন্মমাচক্ষ্ব সঞ্জয়। ॥১১৮॥
কেঽরক্ষন্ দক্ষিণং চক্রং সূতপুত্রস্য যুধ্যতঃ। বামং চক্রং ররক্ষুর্ব্বা কে বা বীরস্য পৃষ্ঠতঃ ॥১১৯॥
কে কর্ণং ন জহুঃ শূরাঃ কে ক্ষুদ্রাঃ প্রাদ্রবংস্ততঃ। কথঞ্চ বঃ সমেতানাং হতঃ কর্ণো মহারথঃ ॥১২০॥
পাণ্ডবাশ্চ কথং শূরাঃ প্রত্যুদীয়ুর্মহারথাঃ। সৃজন্তঃ শরবর্ষাণি বারিধারা ইবাম্বুদাঃ ॥১২১॥
স চ সর্পমুখো দিব্যো মহেষুপ্রবরস্তদা। ব্যর্থঃ কথং সমভবত্তন্মমাচক্ষ্ব সঞ্জয়। ॥১২২॥
মামকস্যাস্য সৈন্যস্য হতোৎসাহস্য সঞ্জয়। অবশেষং ন পশ্যামি ককুদে মৃদিতে সতি ॥১২৩॥

তৌ হি বীরৌ মহেষ্বাসৌ মদর্থে ত্যক্তজীবিতৌ।
ভীষ্মদ্রোণৌ হতৌ শ্রুত্বা কো ন্বর্থো জীবিতেন মে ॥১২৪॥

পুনঃ পুনর্ন মৃষ্যামি হতং কর্ণঞ্চ পাণ্ডবৈঃ। যস্য বাহ্বোর্ব্বলং তুল্যং কুঞ্জরাণাং শতং শতম্ ॥১২৫॥

লাক্লিবা কৈ নোংশা শামুঙম্ কল্লবা নিংথৌশিং অত্থনা. কর্ণ হাৎখিবসি উবদা করি করি হায়রি ॥১১৪—১১৬॥ সঞ্জয়। দ্রোণ হাৎখিবা তুং অত্থদা কনা কনানা, শরুক্ শরুক্ থাম্নদোক্লবা কৌরব তেজোল মপৈ মপৈদুগী মাঙদা লৈনখিখগে? ॥১১৭॥

সঞ্জয়। কল্লবা রথি অথোইবা মদ্ররাজ শৈল্যনা করিগী দমক কর্ণগী সারথি ওইরুরিবনো, অদুগা কর্ণনা মতৌ করম্না শল্যবু মাগী সারথি ওইহনখ্রিবনো? মাদু ঐঙোন্দা তম্মু ॥১১৮॥ কনাকনানা লালশোরুদুনা লৈরিবা কর্ণগী য়েৎথংবা নাকনদা লৈখি? কনা কনা মাগী রথগী ওইথংবা নাকল অমদি চাকাবু শেন্নদুনা লৈখি? অদুগা অকনবা কনাকনানা কর্ণগী রথগী তুংলোমদা লৈদুনা কর্ণবু শোক্লথি ॥১১৯॥ করম করম্বা তৌবিমল খঙবা অকনবনা শিরবকাওবা কর্ণবু ঙাকশেন্দুনা লৈখি। মবুকচেল পিক্লবা পাণ্ডদ্রবা কনা কনানা লালকম থাদোক্তুনা চেম্নখি? অদুগা সঞ্জয়। অদুক য়াম্বা অকনবা নখোয়গী মরক্তগী ছত্তুনা কর্ণবু করম্না য়েক্লবনো হাৎখ্রিবনো? ॥১২০॥ অকনবশিং অমদি মহারথী ওইরবা পাণ্ডবশিংনা মতৌ করম্না লেপ্তুনা নোংচূথবগুম্না তেল ময়াম্ কাপশিনক্তুনা কর্ণ তম্না চঙশিন্নপগে ॥১২১॥

সঞ্জয়। লাইরম্লেন্দগী পাইথরক্পা লিল মচিল মানবা কর্ণগী তেন্দোংদা মশানা চঙজরক্পা তেল অদুনা মতৌ করম্না অরেম্বদা তাখ্রিবনো? ॥১২২॥ সঞ্জয়! অকন্ অকনবা রথী মহারথীশিং অসিনা শিখ্রবদা ঐগী তেজোলগী মী অমতম্বু লেমহৌপনি হায়বসি উদ্রে ॥১২৩॥ মহাবীর ওইরবা মহাধনুর্দ্ধারী ওইরবা ভীষ্ম দ্রোণগুম্না মহাক্ মহাকী মপূনশি মথক্তাই থাদোকখ্রবদা ঐগুম্বা অমনা হৌজিক্ পূন্‌শিন্দুনা লৈবগী করি ক্লায়রি? ॥১২৪॥ মহাকী শাম্বোমগী পাঙ্গল্লা

দ্রোণে হতে চ বদ্ধজং কৌরবাণাং পরৈঃ সহ। সংগ্রামে নরবীরাণাং তন্মমাচক্ষ সঞ্জয়! ॥১২৬॥
যথা কর্ণশ্চ কৌন্তেয়ৈঃ সহ যুদ্ধমযোধয়ৎ। যথা চ বিধতাং হত্বা রণে শান্তমুপাগতাম্ ॥১২৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
ধৃতরাষ্ট্রপ্রশ্নে ষষ্ঠোঽধ্যায়ঃ ॥৬॥ *

শামু লিশিং তরাগী পাজনগা মান্নবা কর্ণগী মকম্‌দা পাণ্ডবশিংনা লানথ্রিবসে ঐ খাঙবা ওয়ুক্নে ॥১২৫॥ করে অহু মঙায়রে, সঞ্জয়! দ্রোণনা শিথ্রবা তুংদা পাণ্ডবশিংগা কৌরবকী লান্মীশিংগা পক্ষ অনীগী মরক্ত থোক্‌খিবা ঘটনা মথৈ মথং শীংনা লীখো ॥১২৬॥ কর্ণগা পাণ্ডবশিংগা শোক্লবা হৌরক্‌পগী মতাং অহু মথং মথং লীথরকতুনা য়েক্নবা ওয়া কর্ণনা শিখিবা অসি কাওবগি মথং মনাও নাইনা রাত্তনা লীথরকউ ॥১২৭॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা ধৃতরাষ্ট্রপ্রশ্নগী তরুকশুবা অধ্যায় লোইরে ॥

শ্রীমহাভারতম্

সপ্তমোঽধ্যায়ঃ।

তরেৎশুবা অধ্যায়ঃ

(কর্ণবু সেনাপতি হাপ্পা)

সঞ্জয় উবাচ।

হতে দ্রোণে মহেষ্বাসে তস্মিন্নহনি ভারত। কৃতে চ মোঘসঙ্কল্পে দ্রোণপুত্রে মহারথে ॥১॥
দ্রবমাণে মহারাজ! কৌরবাণাং বলার্ণবে। ব্যূহ্য পার্থঃ স্বকং সৈন্যমতিষ্ঠদ্‌ভ্রাতৃভিঃ সহ ॥২॥
(যুগ্মকম্)
তমবস্থিতমাজ্ঞায়পুত্রস্তে ভরতর্ষভ।। বিক্রুষ্টং স্ববলং দৃষ্ট্বা পৌরুষেণ ন্যবারয়ৎ ।৩॥

সঞ্জয়না হায়ঃ—ভরতনন্দন মহারাজ! দ্রোণ হাৎখ্রবদা, অশ্বত্থামাগী সংকল্প (রাশক) পু অয়েঙ্বদা তাহন্‌খ্রবদা অদুগা কৌরব লান্মী পুম্বনা কায়রুনা চেন্নরবদা অর্জ্জুন অসি ঈচায় চাইথোকল্লবা লান্মীশিং অহু খোম্‌জিন্দুনা মেহগী মওংদা শেম্‌শাহুনা মচীন্‌ মনাওশিংগা অমত ওইনা মথা তৌথগদৌরিবা থবকুশিং অহু তানহুনা পোখাখি ॥১—২॥ ভরত শাগৈগী অথোইবা

অনীকমবস্থাপ্য বাহুবীর্য্যমুপাশ্রিতঃ। যুদ্ধা চ সুচিরং কালং পাণ্ডবৈঃ সহ ভারত ।৪।
লব্ধলক্ষৈঃ পরৈর্হৃষ্টৈর্ব্যায়চ্ছত্তিস্তিরং তদা। সন্ধ্যাকালং সমাসাদ্য প্রত্যাহারমকারয়ৎ ।৫। (যুগ্মকম্)
কৃত্বাবহারং সৈন্যানং প্রবিশ্য শিবিরং স্বকম্। কুরবঃ সহিতা মন্ত্রং মন্ত্রয়াঞ্চক্রিরে মিথঃ ।৬।
পর্য্যঙ্কেষু পরার্দ্ধ্যেষু স্পর্দ্ধ্যাস্তরণবৎসু চ। বরাসনেষূপবিষ্টাঃ সুখশয্যাস্বিবামরাঃ ।৭। (যুগ্মকম্)
ততো দুর্য্যোধনো রাজ সাম্না পরমবল্গুনা। তানাভাষ্য মহেষ্বাসান্ প্রাপ্তকালমভাষত ।৮।
মতং মতিমতাং শ্রেষ্ঠাঃ! সর্ব্বে প্রব্রূত মা চিরম্। এবং গতে তু কিং কার্য্যং কিঞ্চ কার্য্যতমং নৃপাঃ! ।৯।

সঞ্জয় উবাচ।

এবমুক্তে নরেন্দ্রেণ নরসিংহা যুযুৎসবঃ। চক্রুর্নানাবিধাশ্চেষ্টাঃ সিংহাসনগতাস্তদা ।১০।
তেষাং নিশাম্যেঙ্গিতানি যুদ্ধে প্রাণান্ জুহূষতাম্।
সমুদ্বীক্ষ্য মুখং রাজ্ঞো বালার্কসমবর্চ্চসম্। আচার্য্যপুত্রো মেধাবী বাক্যজ্ঞো বাক্যমাদদে ।১১।
রাগো যোগস্তথা দাক্ষ্যং নয়শ্চেত্যর্থসাধকাঃ। উপায়াঃ পণ্ডিতৈঃ প্রোক্তাস্তে তু দৈবমুপাশ্রিতাঃ ।১২।

মহারাজ। অর্জ্জুননা অস্নুম্না নীঙভায়দনা লৈখিবসি উবদা অহুগা লাম্মী পুম্বা কায়হুনা চেম্নবসি উবদা দুর্য্যোধননা মশাগী নিপা খোকপা মথৌনা অহু উৎতুনা লাম্মী ময়াম্বু মখুং হৎতুনা থাম্জিন্খি ॥৩॥ ভরতনন্দন! মাহুগী সুমিৎকী নীঙবা থুংগ্রবা, মশা মশাগী মপাম্বোমগী পাজম্না কুইনা শোক্লরকলবা মথরাই সুংঙাইরবা পাণ্ডবশিংগা কুইনা শোক্লকরবা দুর্য্যোধন অসি, সন্ধ্যা য়ৌরকলবা অহুদদি মহাকী লাম্মীশিংদা লাল লেপ্পে। পোখায়ো হায়না য়াথং পীখে ॥ ৪—৫ ॥ অদুগী তুংদা কৌরব লাম্মী পুম্বা মাগী মাগী শিবির (লালশঙ) দা চঙহুনা, মাগী মাগী নীঙখিজযবা মোল্লবা কমুং মথক্ত কাথৎতুনা পোথা পোথানা মন্ত্রণা তৌবা হৌরক্লে ॥ ৬—৭ ॥ অদুগী তুংদা নিংথৌ দুর্য্যোধননা য়াম্না নীঙখিজবা অথোৎপা রাহৈনা অকনবশিং অহুগী মকম্‌দা অস্নুম্না হায়রক্লই ॥৮॥ "অশিংবা-অকনবা! ময়াম্না মাগী মাগী মত হৌজিমক্ থুনা হায়দোক্লপিয়ু হৌজিক্ ঐখোয় কম্‌দৌসি হাম্নবগে? হৌজিক্ ঐনা তৌগদবা করিনো। তাঞ্জা অসি য়ৌরবদা ঐখোয়না ঈহান্ হাম্না পায়খৎকদবা থবক্‌সি ময়াম্না অমুক্ত লেপ্পবিয়ু" ॥৯॥ সঞ্জয়না হায়:— মহারাজ! নচা ঈবুঙো দুর্য্যোধননা অহুম্না হায়রক্লবদা মাগী মাগী তাংবল মথক্ত কমলিবা অকনবা নিংথৌ লাম্মীশিং অদুনা সক্তিগী মহুত্তা মখা লাল তৌথনবগী ঈজিত তৌনরক্লই ॥১০॥ লাল-কম্‌দা থরাই থারবসু থারসি হায়না লেপ্পগ্রবা নিংথৌশিং অদুগী ঈজিত উবদা নৌনা হঙ্গোরকপা সুমিৎকী মশেক্‌মু লংলবা মকারায়বা, দুর্য্যোধনগী মায়খোং অহু উবদা দেশকালপাত্র মতুং ইন্না য়াহৈ রাভা হৈরবা অশ্বত্থামানা অস্নুম্না হায়রক্লই ॥১১॥— "পণ্ডিতশিংনা হায়নৈ মাহুদি থবক্ তৌনিংবগী ইচ্ছা (রাখল), মাহু পাঙখোক্লবগী উদ্যোগ (হোৎনবা), থবক্ত হৈশিংবা, অহুগা নীতি [নিয়ম] হায়রিবা মরি অসি থবক্ অহু পাঙখোক্লবগী মচাক্লি অমদি উপায়নি। অহুদা

লোকপ্রবীরা যেঽস্মাকং দেবকল্পা মহারথাঃ। নীতিমন্তস্তথা যুক্তা দক্ষা রক্তাশ্চ তে হতাঃ ।১৩।
ন ত্বেব কার্য্যং নৈরাশ্যমস্মাভির্বিজয়ং প্রতি। সুনীতৈরিহ সর্ব্বার্থৈর্দৈবমপ্যনুলোম্যতে ।১৪।
তে বয়ং প্রবরং নৃণাং সর্ব্বৈর্গুণগণৈর্যুতম্। কর্ণমেবাভিষেক্ষ্যামঃ সৈনাপত্যেন ভারত। ।১৫।
কর্ণং সেনাপতিং কৃত্বা প্রমথিষ্যামহে রিপূন্। এষ হ্যতিবলঃ শূরঃ কৃতাস্ত্রো যুদ্ধদুর্ম্মদঃ ।১৬।
বৈবস্বত ইবাসহ্যঃ শক্তো জেতুং রণে রিপূন্। এতদাচার্য্যতনয়াচ্ছ্রুত্বা রাজংস্তবাত্মজঃ ।১৭।
আশাঞ্চ মহতীং চক্রে কর্ণং প্রতি স বৈ তদা। হতে ভীষ্মে চ দ্রোণে চ কর্ণো জেষ্যতি পাণ্ডবান্ ।১৮।
(বিশেষকম্)
তামাশাং হৃদয়ে কৃত্বা সমাশ্বস্য চ ভারত।। ততো দুর্য্যোধনঃ প্রীতঃ প্রিয়ং শ্রুত্বাস্য তদ্বচঃ ।১৯।
প্রীতিসৎকারসংযুক্তং তথ্যমাত্মহিতং শুভম্। স্বং মনঃ সমবস্থাপ্য বাহুবীর্য্যমুপাশ্রিতঃ ।২০।

হায়রিবা মথি অসিমক্তু দৈব (লাইনা তত্বা) হায়বত্তুগী মখা পোল্লি ॥১২॥ ঐখোয়গী কৌরব তেজোল অসিদগী জগত্ত কল্লবা কাওরবা, লাইমকা মান্নরবা, মহারথী ওইরবা, যুদ্ধনীতি খঙলৈরবা, অদুগা মহারাজগী জয় ওইননবগীদমক্ত থরাই য়াওনা হোৎনরম্বা লান্দা য়াম্না হৈশিংলবমক্তা চৎখ্রে নোংগাখ্রে ॥১৩॥ অদুম্ ওইনমক্ ঐখোয়না মথৈদা জয় ওইগদবগী আশা অসে থক্ থুগাইবা হৌনদে। ঐখোয় থক্ নীঙবা কায়রোইদবনি। মরমদি দেশকালপাত্র য়েংদুনা থবক্ তৌরবদি "লাইনা তত্বা" [দৈব] হায়বতুমবক্তুসু নমহৎপা য়াই ॥১৪॥ অদুনা ভরত শাগৈগী অখোইবা নিংথৌ, দুর্য্যোধন। হৌজিক্ ঐখোয়না তৌগদৌবসি সেনাপতি হাপ্পা। অদুনা ঐগী মত হায়ু হায়রবদি নিপা অখোইবা, লাম্মী অমগী গুণ পুম্বনা তিল্লবা মহাবীর কর্ণবু সেনাপতি হাপ্পনবা তৌসি ॥১৫॥ "ঐখোয়না মহাবীর কর্ণদা সেনাপতি বরিয়গা মতুংদা ঈশা ঈশাগী পাজম্না নমথেক্তুনা য়েক্কবশিংবু নৈখাইথি। মহাক্তি মথৌনা লৈবনি কনবনি, লালগী খুৎলায় মথল গুনা হৈয় খঙ্লবনি। লালকম্দা লাকৃতম্কাতম্দবনি। য়েক্কবশিংগী মরক্ত চঙথিবদা যমরাজনা তৌবগুম্ য়েক্কবশিংনা মাগী মমাঙদা মীকুপ্ অমত থাঙবা ঙম্মোইদবনি।"—মহারাজ! অশ্বত্থামাগী মচঁন্দগী রা অসি তাবদা নচা ঈবুঙো দুর্য্যোধন অসি কর্ণগী মতেংদগী লাল অসি শোয়দনা জয় তৌগনি হায়না অমুক্ ঈনৌ নৌনা আশা তৌরক্লে। ভীষ্ম দ্রোণ লৈথিরবসু কর্ণনা লায়না পাণ্ডবশিংবু জয় তৌবা ঙমগনি হায়না দুর্য্যোধননা খল্লকই ॥১৬—১৮॥ ভরতনন্দন! অদুগী তুংদা দুর্য্যোধননা অশ্বত্থামাগী রাহু তাবদগীদি মপুক্লীংদা অমুক্ ঈঙথথি-পেনথি ॥১৯॥ মহারাজ! নুংশিরবা, থোংলবা, অচুম্বা, মঙলগী মশক ওইরবা রা অসি তাবদা মশা মথন্তগী ঈথক্ হৌরবা থশোয়বু তপথহন্দুনা কর্ণগী মপাথোমগী পাজল্দা আশা পুম্নমক্ থমদুনা দুর্য্যোধনমা থাগী নুংশিজরবা মরূপ, ঈবায় খুম্রবদা মতিক্ চাবরা, অচুম্ব ওাওবা, রাশক্ চেৎপা, দানহৈবা,

প্রিয়সংস্কারসংযুক্তং তথ্যমাত্মহিতং শুভম্। দুর্য্যোধনো মহারাজ! রাধেয়মিদমব্রবীৎ ॥২১॥

(যুগ্মকম্)

কর্ণ। জানামি তে বীর্য্যং সৌহৃদং পরমং ময়ি। তথাপি ত্বাং মহাবাহো! প্রবক্ষ্যামি হিতং বচঃ ॥২২॥

শ্রুত্বা যথেষ্টং কুরু বীর! যত্তব রোচতে। ভবান্ প্রাজ্ঞতমো নিত্যং মম চৈব পরা গতিঃ ॥২৩॥

ভীষ্মদ্রোণাবতিরথৌ হতৌ সেনাপতী মম। সেনাপতির্ভবানস্তু তাভ্যাং দ্রবিণবত্তরঃ ॥২৪॥

বৃদ্ধৌ চ তৌ মহেষ্বাসৌ সাপেক্ষৌ চ ধনঞ্জয়ে। মানিতৌ চ ময়া বীরৌ রাধেয়! বচনাত্তব ॥২৫॥

পিতামহত্বং সংপ্রেক্ষ্য পাণ্ডুপুত্রা মহারণে। রক্ষিতাস্তাত! ভীষ্মেণ দিবসানি দশৈব তু ॥২৬॥

ন্যস্তশস্ত্রে তু ভবতি হতো ভীষ্মঃ পিতামহঃ। শিখণ্ডিনং পুরস্কৃত্য ফাল্গুনেন মহাহবে ॥২৭॥

হতে তস্মিন্ মহেষ্বাসে শরতল্পগতে তথা। ত্বয়োক্তে পুরুষব্যাঘ্র! দ্রোণো হ্যাসীৎ পুরঃসরঃ ॥২৮॥

তেনাপি রক্ষিতাঃ পার্থাঃ শিষ্যত্বাদিতি মে মতিঃ। স চাপি নিহতো বৃদ্ধো ধৃষ্টদ্যুম্নেন সত্বরম্ ॥২৯॥

নিহতাভ্যাং প্রধানাভ্যাং তাভ্যামতুলবিক্রম!। ত্বৎসমং সমরে যোধং নান্যং পশ্যামি চিন্তয়ন্ ॥৩০॥

মাগী কমলবত্ত খনবা কর্ণগী মকম্দা দুর্য্যোধননা অসুম্না হায়রকই—॥২০—২১॥ অকনবা! মরুপ! অকনবা নহাক্কী মপাঙ্গল নখৌনা অমদি বিদ্যাবু অঙ্গগা ঐবু কয়ামুক নুংশিবিবগে হায়বদে। ঐ মুম খঙজে। অদুবু ঈচিন্তোক্লা কায়বা য়াদে ঐ অমুক্ত হায়গে ॥২২॥ অকনবা! ঐনা হায়রিবসে হায় তারগা মাদুদগী ঐনা নীঙলিবা পাম্জরিবসিগী মতুং ইন্না থবক তৌবিয়ু। অশি বা মী অমনিনা হেক্ত ভাব তাবিগনি, অদুগা অকনবা নহাক্তি ঐগী অমত ওায়জরব। সহায়-উপায় অম ওইদুনা লৈরবনি ॥২৩॥ হৌজিক্তি ঐগী সেনাপতি ওইরিবা ভীষ্ম দ্রোণ অনীমক্ তুপ্রেদে। অদুনা লৈথিজরবশিং অদুদগীসু হেন্না আশা কয়া তৌজবা অদুগা মখোয়দগীসু হেন্না কনবনি হায়না থমজরিবা অকনব। নহাক্ সেনাপতি ওইরো ॥২৪॥ রাধানন্দন! অকনবা! লৈথিজরবা অহল অনীদো মসুং মসুংদা অর্জ্জুনগী মীচঙ ওইখিবনি। অদুবু অকনবা নহাক্না হায়বদগী ঐনা হায় মখোয় অনীবু মথং মথং সেনাপতি হাপখি। মখোয়দসু মতিচাবা সম্মান উৎখি ॥২৫॥ মরুপ! ভীষ্মনা মখোয়গী মপুথৌনি হায়দুনা সুমিৎ তরানি চুপ্পা পাণ্ডবশিংবু ঙাকশেনম্মগা তুপ্রে ॥২৬॥ মহাক্না লালকম্দা অম অম হায়জিন্দুনা খুৎলায় থাদোক্লবদা অর্জ্জুননা শিখণ্ডীবু মাঙথানা থম্নগা ঈবুধৌ ভীষ্মবু শিখণ্ডীগী মথুক্তা তুহনখ্রে ॥২৭॥ নিপা অথোইবা! অকনবা! ঈবুধৌ ভীষ্মনা শরশয্যা থক্ত চেপশ্রবদা অকনবা নহাক্কী মত লৌদুনা দ্রোণাচার্য্যবু সেনাপতি হাপখিদো ॥২৮॥ মহাকসু পাণ্ডবশিংবু হেন্না নুংশিবদগী অদুগা মহাক্কী অথোইবা শিষ্যমক্তনি হায়দুনা মখোয়বু হাৎলম্দনা চৎখ্রেদে। অদুদগী, ভীষ্মমুক কুইনা সেনাপতি ওইবা কংহৌদবা, অহল অদুবুসু ধৃষ্টদ্যুম্ননা মম্বুনা হাৎখ্রেদে ॥২৯॥ ওমথৈলৈতনা কয়বা কর্ণ! অকনবা অনীদুনা তুখবা তুং অদিদা অকনবা নং নত্তনা ঐগী তেঙ্গোল অদিদা অনীওবা অকনবা মতিক্চাবা অমত উবে ॥৩০॥

তথাদেব তু নঃ শক্যো বিজয়ায় ন সংশয়ঃ। পূর্ব্বং মধ্যে চ পশ্চাচ্চ তথৈব বিহিতং হিতম্ ॥৩১॥
স ভবান্ ধুর্য্যবৎ সংখ্যে ধুরমুদ্যোঢ়ুমর্হতি। অভিষেচয় সৈনাপত্যে স্বয়মাত্মানমাত্মনা ॥৩২॥
দেবতানাং যথা স্কন্দঃ সেনানীঃ প্রভুরব্যয়ঃ। তথা ভবানিমাং সেনাং ধার্ত্তরাষ্ট্রীং বিভর্ত্তু বৈ ॥৩৩॥
জহি শত্রুগণান্ সর্ব্বান্ মহেন্দ্রো দানবানিব। অবস্থিতং রণে দৃষ্ট্বা পাণ্ডবাস্ত্বাং মহারথাঃ ॥৩৪॥
দ্রবিষ্যন্তি চ পঞ্চালা বিষ্ণুং দৃষ্ট্বেব দানবাঃ। তস্মাত্ত্বং পুরুষব্যাঘ্র। প্রকর্ষৈতাং মহাচমূম্ ॥৩৫॥
(যুগ্মকম্)

ভবত্যাস্থিতে যত্তে পাণ্ডবা মন্দচেতসঃ। দ্রবিষ্যন্তি সহামাত্যাঃ পাঞ্চালাঃ সৃঞ্জয়াশ্চ হ ॥৩৬॥
যথা হ্যভ্যুদিতঃ সূর্য্যঃ প্রতপন্ স্বেন তেজসা। ব্যপোহতি তমস্তীব্রং তথা শত্রূন্ প্রতাপয় ॥৩৭॥

সঞ্জয় উবাচ

আশা বলবতী রাজন্। পুত্রস্য তব যাঽভবৎ। হতে ভীষ্মে চ দ্রোণে চ কর্ণো জেষ্যতি পাণ্ডবান্ ॥৩৮॥

কর্ণ! নহাক্‌না হৌজিক ঐখোয়গী তেজোল অসিদা য়েক্লবশিংবু জয় তৌবগুমগনি হায়বসিদা করিস্ম চিংনকম্ লৈতে। অসিদগী হেন্দোক্ত্‌না অকনবা নহাক্তি ঈহাল হানবদম্ম, মরক্তম্ম, অকোনবদস্ম ঐগী কননবত তৌহুনা লাকলিবনি ॥৩১॥ অদুনা কর্ণ! অরাম্ব পোৎয়োম পুবা হৈবা অমগুম্না নহাক্না ঐগী লাম্মী মপৈগী ভার পুনবা তৌ। ঐ হৌজিকমক নহাকপু সেনাপতিগী পদবীদা অভিষেক তৌগে বরিয়গে ॥৩২॥ মতিক মগুণ চাউরবা ঈশোয় শোয়দনা য়েক্লবহাৎপগুম্বা স্বামী কার্ত্তিক সেনাপতিনা লাইয়ামশিংবু ঙাকশেনব অদুগী মতৌগুম্না অকনবা নহাক্না ঐগী কৌরব লাম্মী মপৈসিবু ঙাকশেন্দুনা অদুগা সেনাপতি ওইবিদুনা কৌরব লাম্মীশিংসিবু ঙাকশেন্দুনা লাঙ্গুংবিয়ু ॥৩৩॥ কর্ণ! ইন্দ্রনা দৈত্যদানব ময়াম্ হাৎখিবগুম্ নহাক্ম য়েক্লবশিংসিবু হাৎলু। বিষ্ণুবু উবগা দানবশিংনা কিহুনা চেনবগুম্না লালকম্‌দা অকনবা নহাকপু উবদা পাণ্ডবশিং অমদি পাঞ্চালশিংনা কিহুনা মরাইনা চেঞ্জখিনি। অদুনা অকনবা! কুইথদুনা কায়দে। সেনাপতি ওইদুনা ঐগী পুমচাইচাইদুনা লৈরিবা লাম্মীশিংবু লোইশিন খোম্‌জিন্দুনা মখোয়শিংসিগা লাঙ্গুংনবা তৌয়ো ॥৩৪—৩৫॥ অকনবা নহাক্না খুত্তম্ চেৎনা লালকম্‌দা চপ লেপ্তুনা হেকলৈবদা পাণ্ডবা পাণ্ডবশিং অসে পাঞ্চালশিং অমদি সৃঞ্জয় লাম্মীশিং অদুগা মথায়গী খোগুমী খোগুলোয়শিংগা লোয়ননা হৌচেনপ্রদোবনি ॥৩৬॥ সুমিৎনা মশাগী তেজনা জগৎপুম্বা চাকথেকতুনা অমমবু মাগুহন বগুম্ নহাকম্ম নশাগী তেজনা য়েক্লবশিংসিবু চাকথেক্তুনা তুম মাগুহল্ল ॥৩৭॥ সঞ্জয়না হায়ঃ— মহারাজ! নচাঈমুগো দুর্য্যোধননা হৌজিক তৌরিবা আশা হায়ববু ভীষ্মদ্রোণগুম্না তুথবাতুং অসিদম্ম কর্ণনা পাণ্ডবশিংবু জয় তৌখিগনি হায়বা অসিতনি। অমুক্ হেন্ন কয় আশা তৌশিন খিদুনা দুর্য্যোধননা কর্ণদা অমুক করি হায়খি হায়ববু ঃ— কর্ণ! অর্জ্জুননা নংগা মুখামুখি ওইদুনা থক্

তাবাশ্বাং হৃদয়ে কৃত্বা কর্ণমেবং তদাব্রবীৎ। সূতপুত্র! ন তে পার্থঃ স্থিত্বাগ্রে সংযুযুৎসতি ॥৩৯॥
(যুগ্মকম্)

কর্ণ উবাচ

উক্তমেতন্ময়া পূর্ব্বং গান্ধারে! তব সন্নিধৌ। জেতাস্মি পাণ্ডবান্ সর্ব্বান্ সপুত্রান্ সজনার্দ্দনান্ ॥৪০॥
সেনাপতির্ভবিষ্যামি তবাহং নাত্র সংশয়ঃ। স্থিরো ভব মহারাজ। জিতান্ বিদ্ধি চ পাণ্ডবান্ ॥৪১॥

সঞ্জয় উবাচ

এবমুক্তো মহারাজ! ততো দুর্য্যোধনো নৃপঃ। উত্তস্থৌ রাজভিঃ সার্দ্ধং দেবৈরিব শতক্রতুঃ ॥৪২॥
সৈনাপত্যেন সৎকর্ত্তুং কর্ণং স্কন্দমিবামরাঃ। ততোঽভিষিষিচুঃ কর্ণং বিধিদৃষ্টেন কর্ম্মণা ॥৪৩॥
দুর্য্যোধনমুখা রাজন্। রাজানো বিজয়ৈষিণঃ। শাতকুম্ভময়ৈঃ কুম্ভৈর্মাহেয়ৈশ্চাভিমন্ত্রিতৈঃ ॥৪৪॥
তোয়পূর্ণৈর্বিষাণৈশ্চ দ্বিপখড়্গমহর্ষভৈঃ। মণিমুক্তাযুতৈশ্চান্যৈঃ পুণ্যগন্ধৈস্তথৌষধৈঃ ॥৪৫॥
ঔড়ুম্বরে সুখাসীনমাসনে ক্ষৌমসংবৃতে। শাস্ত্রদৃষ্টেন বিধিনা সংভারৈশ্চ সুসংস্কৃতৈঃ ॥৪৬॥
ব্রাহ্মণাঃ ক্ষত্রিয়া বৈশ্যাস্তথা শূদ্রাশ্চ সম্মতাঃ তুষ্টুবুস্তং মহাত্মানমভিষিক্তং বরাসনে ॥৪৭॥

শোক্কনীঙলোই ॥৩৮—৩৯॥ দুর্য্যোধনগী বা অসি তাবদা কর্ণনা হায়খি ঃ—গান্ধারীনন্দন! নিংথৌ! ঐদি নত্তোঙ্দা হায়দগী হায়রুনা মরাকইবরুনি ঐ কৃষ্ণবু অতগা মচাশিংগা লোয়ননা পাণ্ডবশিংবু কাংকনি ॥৪০॥ অদুগা নিংথৌ! ঐ নহাকী সেনাপতি ওইগনি মাদুদা করিমত্ত চিংনবা তৌগনু। তপথৌ, পাণ্ডবশিংবু ঙমলবনি হায়না খনবা হৌরো। সঞ্জয়না হায় ঃ—মহারাজ! কর্ণনা অস্তুম হায়রবদা দুর্য্যোধন অসি যুংঙাইমন্‌থরুনা লাইরামখিবিকা লোয়ননা ইন্দ্রনা দেবসভা মরায়দা ফুক হেক হৌগৎলকপগুম অতোপ অতোপ্পা নিংথৌ লাম্বীশিংগা লোয়ননা ফুক হেক হৌগৎলকই ॥৪১-৪২॥ অদুগী তুংদা লাইরামনা কার্ত্তিকপু সেনাপতিগী পদবীদা অভিষেক তৌবদুঙুম্বা অমগী আশা করা তৌরবা দুর্য্যোধননচিংবা নিংথৌলাম্বী মরাম্বা শাস্ত্রগী বিধি অমদি নিয়মগী মতুংইন্না মন্ত্র শোন্নবা ঈশিংনা থল্লবা সনাগী পাত্র অদুগা লৈপাক্কী পাত্র (চফু) নচিংবনা অদুগা মণিমুক্তানা মমক্ মমক্ত থান্নবা, মনম্‌মুংশিন্নবা, হৈনা লৈনা থন্না চোম হাপ্পবা শাম্ মরানা শাবা, মঙা মচিনা শাবা, শঙ্গাও কাওগী মচিনা শাবা পাত্রনচিংবনা, নীঙথিনা মঙল ওকুনা পারবা কত্রংগী ফিনা কুম্‌বা আসনথক্ত কম্‌লবা কর্ণবু সেনাপতি ওইনা অভিষেক তৌরে ॥৪৩—৪৬॥ অদুগী তুংদা নীঙথি নীঙথিজরবা আসনদা ফমবা নিংথৌগী সনমাল ফংলবা ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয় বৈশ্য অমদি শূদ্রশিংনা মানা মানা ওনা লৈমি লৈথোক্নগী বাহৈনা কর্ণগী স্তুতিবান তৌরকই ॥৪৭॥

ততোঽভিষিক্তো রাধেয়ঃ নিষ্কৈর্গোভির্ধনেন চ। বাচয়ামাস বিপ্রাগ্র্যান্ রাধেয়ঃ পরবীরহা ॥৪৮॥
স ব্যরোচত রাধেয়ঃ সূতমাগধবন্দিভিঃ। স্তূয়মানো যথা ভানুরুদয়ে রশ্মিমালিভিঃ।
ততঃ পুণ্যাহঘোষেণ বাদিত্রনিনদেন চ। জয়শব্দেন শূরাণাং তুমুলঃ সর্বতোঽভবৎ ॥৫০॥
জয় পার্থান্ সগোবিন্দান্ সানুগাংস্তান্ মহামৃধে। ইতি তং বন্দিনঃ প্রাহুর্বিপ্রাশ্চ পুরুষর্ষভম্ ॥৫১॥
জহি পার্থান্ সপাঞ্চালান্ রাধেয়! বিজয়ায় নঃ। উদ্যন্নিব সদা ভানুস্তমাংস্যুগ্রৈর্গভস্তিভিঃ ॥৫২॥
নহ্যলং ত্বদ্বিসৃষ্টানাং শরাণাং বৈ সকেশবাঃ। উলূকাঃ সূর্য্যরশ্মীনাং জ্বলতামিব দর্শনে ॥৫৩॥
নহি পার্থাঃ সপাঞ্চালাঃ স্থাতুং শক্তাস্তবাগ্রতঃ। আত্তবজ্রস্য সমরে মহেন্দ্রস্যেব দানবাঃ ॥৫৪॥

সঞ্জয় উবাচ।

স সংকৃতঃ স্তূয়মানঃ সুহৃদ্গণবৃতো রুষা। কর্ণো দুর্য্যোধনং বাক্যমব্রবীৎ প্রহসন্ প্রিয়ম্ ॥৫৫॥
দুর্য্যোধনাত্র সগণং পাণ্ডূনাং প্রবরৈঃ সহ। ফাল্গুনং সূদয়িষ্যামি ত্বৎপ্রিয়ার্থং সবান্ধবম্ ॥৫৬॥

নিংথৌ অথোইবা। অদুগী তুংদা য়েক্লবা ভম্‌গনবা অকনবা কর্ণ অসি সেনাপতি ওইনা অভিষেক তৌগ্রবদা শম্বী সনা লুপানচিংবা ব্রাহ্মণশিংদা দান তৌরবা তুংদা ব্রাহ্মণশিংনা কর্ণগী স্বস্তিবাচন তৌখি মঙ্গলগী আশীর্ব্বাদ তৌখি ॥৪৮॥ নোংঙাল্লকপদা নোংপোক্ থংবা অতিয়াদা হাইদোক্লকপা সুমিৎপূ ব্রাহ্মণশিংনা স্তুতি তৌবদুগুম্না কর্ণসু সূত মাগধ বন্দিনচিংবা ভ.ট কবিশিংনা লৈশি লৈথোনদুনা লাম্মী সভা ময়ায়দা থোইনা কল্লনা ঙাম্মোইখি ॥৪৯॥ অদুগী তুংদা ব্রাহ্মণশিংগী আশীর্ব্বাদ তৌবগী মখোল্লা অমদি পুং শেল যন্ত্রশিংগী মখোল্লা মায়গৈ পুম্বা পুম্নমক নিনখি ॥৫০॥ ময়াম্না "কর্ণ! সেনাপতি! অকনবা! নহাক্না কৃষ্ণবু অদুগা থোংলোয় মচাশিংগা লোয়নরবা পাণ্ডবশিংবু জয় তৌ"। অসুম্ হায়না মায়গৈ মরিদগী লাউনরকই ॥৫১॥ অমুক মথোয়না অসুম্ হায়না লাউবকই :—রাধানন্দন! অকনবা! সুমিৎনা মাগী মশেক্লা অমম্বা পুম্নমক মাঙহনবদুগুম্না নহাক্সু অকিবগী মশক্ কংলবা থুৎলায়না পাঞ্চালশিংগা লোয়ননা পাণ্ডবশিংবু মন্ন কংনা মাঙহল্লু ॥৫২॥ মকুনা সুমিৎ মঙাল থাঙব ঙমদবগুম্না কৃষ্ণগা লোয়ননা পাণ্ডবশিংনা অকনবা নহাক্কী তেঞ্জিন্দা খাঙদুনা লৈবা ঙম্মোই ॥ ৫৩ ॥ দৈত্যদানবশিংনা মথুক বজ্র পায়বা ইন্দ্রগী মাঙদা লেপ্প ঙম্‌দবগুম্না পাঞ্চালশিংগা লোয়নরবা পাণ্ডবশিংনা নহাক্কী মমাঙদা লেপ্প থক্ ঙম্মোই ॥৫৪॥ সঞ্জয়না হায় :—ময়াম্না মত্তৌ অসুম্না তৌনমক্লবদা, মরূপ মপাং থিবিক্লা পুম্নকোয় কোয়রগা কর্ণনা থোইদোক্লা অপাণ্ডবগা লোয়ননা নোকনা দুর্য্যোধনবা অসুম্না হায়রকই ॥৫৫॥ মরূপ! দুর্য্যোধন! ঙসি ঐনা নংমীদমক্তা পাণ্ডব পঙ্কী অকন অকনবা থোঙমী লাবীগা

সর্পর্ষভার্ণববীণাং শাধি গাং গতপাণ্ডবাম্। পুত্রপৌত্রপ্রপৌত্রেষু প্রতিষ্ঠাং গমিষ্যাসি ॥৫৭॥
সাসৰং বিক্ততে মহং ৰৎপ্রিয়ার্থমরিন্দম।। সত্যধর্ম্মানুরক্তস্য সিদ্ধিরাত্মবতো যথা ॥৫৮॥
অভিষিক্তস্ত রাধেয়ঃ প্রভয়া সোঽমিতপ্রভঃ। অত্যরিচ্যত রূপেণ দিবকর ইবাপরঃ ॥৫৯॥
সৈনাপত্যে তু রাধেয়মভিষিচ্য সুতস্তব। অমন্যত তদাত্মানং কৃতার্থং কালচোদিতঃ ॥৬০॥
কর্ণোঽপি রাজ্ঞঃ সংপ্রাপ্য সৈনাপত্যমরিন্দমঃ। যোগমাজ্ঞাপয়ামাস সূর্য্যাস্তোদয়নং প্রতি ॥৬১॥
তব পুত্রৈর্বৃতঃ কর্ণঃ শুশুভে তত্র ভারত।। দেবৈরিব যথা স্কন্দঃ সংগ্রামে তারকাময়ে ॥৬২॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
কর্ণাভিষেকে সপ্তমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥ ”

লোয়ননা অর্জ্জুনবু নৈহৎকে ॥৫৬॥ ভসিদগী হৌনা নিংথৌ নচাক্না চীঙ-মান-তুরেল, সমুদ্র, দ্বীপ মপৈগা লোয়নরবা পাকচাউরবা, পাণ্ডব রাওদ্রবা লম অসিগী অমত ওইবা শাসন তৌবা নিপা চায়বদু ওইরে। অদুগী তুদা নহাক্কী নচা নশূ শূথাংনচিংবা বংশাবলীনা পাকচাউরবা লম্ অসিগী শাসনবর্ত্তা ওইহৌরসনু ॥৫৭॥ রেক্লবা ভম্বা! নহাক্কীদমক্ত ঐনা ঐগী পুনশিদা খাওতোই-দৌবা তৌরোইদৌবা থবক অমত লৈতে। অদুনা অচুম্বা লম্বীদ', ধর্ম্মগী লম্বীদা লৈরিবা চৎলিবা মীশিংগী তৌক্ত তৌরুবা থবক্ত মহৈ য়ানবদুগুম্না নংগী থবক্ অসিবু মহৈ যান্‌বা ওইরনি” ॥৫৮॥ মতম অসিদা মহাবীর বর্ণ অসি অকন্‌বগী চা'দমনীওায় লৈতবা গুণ পূম্নমক্না ভিন্দুনা অভিষেক তৌপ্রবা তুং অসিদা মশেক্ মঙা'ম্না পূম্ণল থন্‌খিত্রনা মশাগী মশেক্ মঙাস্তনা ভনীগুবা নুমিৎ অমৎম্না লাক্‌বম ভদুদা যোইদোক্না নীঙথিজনা ঙাস্থোইখি ॥৫৯॥ মহারাজ! নচা ঈবুঙো দুর্য্যোধননা বর্ণবু সেনাপতি ওইনা অভিষেক তৌরবা তু'দা মতম্ কৌবা লাইনা ঈহিল্লবতুনা মহাক মৎস্তবু পোকপগী মহৈ য়াল্লে, থবক পূম সিদ্ধ ওইরে হায়না খনখরে ॥৬০॥ রেক্লববু নৈহৎপা ভম্বা বর্ণম্ন দুর্য্যোধনদগী মহাসেনাপতি ওইবগী কম্‌থোন কারদুনা নুমিৎ তরং তরং হন্দোক্‌পা মতম্‌দা কৌরব লাশ্মী মপৈ অচৰু শেমদুনা নিয়ম নাইনা পৈশিনখি ॥৬১॥ ভরতনন্দন। মতম অসিদা বর্ণ অসি মচা মশূ খোঙমী লাশ্মী খোঙলোয় পূম্নমক্না ঈকোয় কোয়-শিন্দুনা, তারকাসুর হাৎলম্‌দাইগী লান্দা লাইয়াম লাশ্মী পূম্নমক্না কোয়শিল্লবা সেনাপতি কার্ত্তিকদুম্ খোইদোক্না নীঙথিজখি ॥৬২॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা বর্ণপর্ব্বদা কর্ণাভিষেককী তরেৎশুবা অধ্যায় লোইরে॥

শ্রীমহাভারতম্

অষ্টমোঽধ্যায়ঃ।

নিপানগুবা অধ্যায়

(কর্ণসেনাপতিনা বূহশাবা)

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ।

সৈনাপত্যন্ত সংপ্রাপ্য কর্ণো বৈকর্ত্তনস্তদা। তথোক্তশ্চ স্বয়ং রাজ্ঞা স্নিগ্ধং ভ্রাতৃসমং বচঃ॥১॥
হিতশ্চ প্রিয়কামশ্চ মম পুত্রস্য নিত্যশঃ। অকরোৎ কিং মহাপ্রাজ্ঞস্তন্মমাচক্ষ, সঞ্জয়!॥২॥

(যুগ্মকম্)

সঞ্জয় উবাচ।

কর্ণস্য মতমাজ্ঞায় পুত্রাস্তে ভরতর্ষভ!। যোগমাজ্ঞাপয়ামাসুর্নন্দিতূর্য্যপুরঃসরম্॥৩॥
মহত্যপররাত্রে চ তব সৈন্যস্য মারিষ!। যোগো যোগ ইতি হ্যাশু প্রাদুরাসীন্মহাস্বনঃ॥৪॥
কল্পতাং নাগমুখ্যানাং রথানাঞ্চ বরূথিনাম্। সন্নহ্যতাং নরাণাঞ্চ বাজিনাঞ্চ বিশাংপতে॥৫॥
ক্রোশতাঞ্চৈব যোধানাং ত্বরিতানাং পরস্পরম্। বভূব তুমুলঃ শব্দো দিবস্পৃক্ সুমহাংস্ততঃ॥৬॥ (যুগ্মকম্)

ধৃতরাষ্ট্রনা হায়ঃ— সঞ্জয়! নুমিৎ চুম্মা ঐগী ঈচা দুর্য্যোধনগী কননবতা থল্লবা-তৌরবা অহুগুম্বা বৈকর্ত্তণ কর্ণনা সেনাপতি ওইরবা তুংদা, দুর্য্যোধননা সুংশিরবা চান্নবা রাহৈনা মচীন মনাওগুম্ নুংশিনা সন্মান তৌরবা কর্ণনা মথা করি করি তৌখরকপগে মাহূ মথঙ শীৎনা শীথরকউ॥১—২॥ সঞ্জয়না হায়ঃ— ভরত শাগেগী অথোইবা মহারাজ! নচা ঈবুঙোশিংনসু কর্ণগী মবুক্চেল্ অমদি মতপু চপ্চানা থওহনা মাগী মাগী লান্মী মপৈ মপৈবু পুংশেল্ময়ু খোংগৎ রৈথৎহন্দুনা লাম্মীশিংবু মতমচানা শেমশাহনা লৈননবা য়াথং পীথরে॥৩॥ ঈকায় খুম্নবগী মশক ওইরবা নিংথৌ! ঈকায় খুম্নবগী মশক ওইরবা মহারাজ! অয়ুক ওস্তাগী মতম্ অহুবা লালকয়্ুদা "শেম্শারো-শেম্শারো!" হায়রবা রাহৈ অসিগী খোঙ্গেস্তনা লালকম্ অহু পূম্নিন্ নিনখরে॥৪॥ মহারাজ! মতম অসিদা মাগী মাগী উপসেনাপতিশিংগী য়াথং কংলবা কৌরব লাম্মীশিং অহুনা মাগী মাগী শগোল শামুনচিংবা শাদোং মরামূহু তোংখৎনবগী শেম্ শারকলে। কৈ মউমচিংবা শউরা কোয়শিন্নবা রথ ময়াম অহু মথং মথং খৌদোকনমক্লে। খোঙমী লাম্মী পুম্নমক মানা মানা পারগদবা য়েপকদবা য়ানগদবা থাঙ তানচিংবহু য়েপথৎ পারথৎনরক্লে। মরু মরু ওইবা লাম্মী লুচিংবশিংনা পুনা রাঙনা লাম্মী মপৈ মপৈ খোম্জিন পৈশিন্নরক্লে অমগমগ হৌন লাউনরক্লে। অহুনা মতম্ অহুবা লাওরকপগী মখোল অহনা আকাশ পাতাল মায়কৈ

ততঃ শ্বেতপতাকেন বলাকাবর্ণবাজিনা। হেমপৃষ্ঠেন ধনুষা নাগকক্ষেণ কেতুনা ॥৭॥
তূণীরশতপূর্ণেন সগদেন বরূথিনা। শতঘ্নীকিঙ্কিণীশক্তিশূলতোমরধারিণা ॥৮॥
কার্ম্মুকৈরুপপন্নেন বিমলাদিত্যবর্চসা। রথেনাভিপতাকেন সূতপুত্রোঽভ্যদৃশ্যত ॥৯॥
ধ্মাপয়ন্ বারিজং রাজন্। হেমজালবিভূষিতম্। বিধুন্বানো মহচ্চাপং কার্তস্বরবিভূষিতম্ ॥১০॥

(কলাপকম্)

দৃষ্ট্বা কর্ণং মহেষ্বাসং রথস্থং রথিনাং বরম্। ভানুমন্তমিবোদ্যন্তং তমো ঘ্নন্তং দুরাসদম্ ॥১১॥
ন ভীষ্মব্যসনং কেচিন্নাপি দ্রোণস্য মারিষ। নান্যেষাং পুরুষব্যাঘ্র! মেনিরে তত্র কৌরবাঃ ॥১২॥

(যুগ্মকম্)

ততস্তু ত্বরয়ন্ যোধান্ শঙ্খশব্দেন মারিষ। কর্ণো নিষ্কর্ষয়ামাস কৌরবাণাং মহদ্বলম্ ॥১৩॥
ব্যূহং ব্যূহ্য মহেষ্বাসো মকরং শত্রুতাপনঃ। প্রত্যুদ্যযৌ তদাঃ পাণ্ডবান্ বিজিগীষয়া ॥১৪॥

পূম্বা পূমনিন নিনহনখি ॥৫—৬॥ মহারাজ! মতম্ অসিদা সেনাপতি কর্ণনা খোরক্পসি লাম্মী পূম্নমক্না তশেং তশেংনা উনরক্লে। মতম অসিদা কর্ণনা মাগী সনানা বুট্ থিল্লবা মোটবুং অমু পায়খৎতুনা খোংলকই। সনানা হাজং য়ৈরবা লীরুং অমু প'য়খৎতুনা নীক্তুনা য়েংলক্ই। লাক্কম্দা মাগী রথ অমু মুমিৎ অমদি মৈবুল অমগী মতৌগুম্না পূমলং লংঙি। রথ অমুগী মমাংদা চৌরোক্ চৌবা ফিরাল অমনা হাইহুম নীঙ্থিজৈ। ফিরাল অমুদা শামু পূম্বা থোরী মকোল্ অম য়েব্ই। শউন জাৎ জাৎনা মকম্ চানা চানা য়েংলি। রথ অমুবু উরোক্‌ম্ চৌরবা শগোল মরিনা চিংঙি। রথ অমুগী মমুংদা মনিমুক্তা সনানা হৎলবা লীরুং মখলমখল, তেন্দোং জাৎ-জাৎ, গদা কয়া কয়া, মরোল মরেল্ মাত্নগী মমুংদা হুমতা, খিরতা, তাগী জাৎ জাৎ কয়া কয়া থম্লি। অমুদগী হেন্দোকতুনা, শরীক্ য়ান্বা মচীন লোঙবা তা কয়াম্ব রাওরি ॥৭—১০॥ নিপা অথোইবা মহারাজ! অমম্বা পূম্ব কোক্তম্বা মুমিৎনা হাইদোরক্পগুম্না লাম্মী মরক্তগী হায়দোরক্পা মহাসেনাপতি, মহাধনুর্দ্ধারী, মহারথী কর্ণবু উবদা কৌরব লাম্মী পূরমক্না ভীষ্ম দ্রোণনাচিংবা অকনবা কয়া কয়ানা লৈখিদবগী অৱাবদো মীকুপ্ত কাউথোক্খি ॥১১—১২॥ ঐকায় খুম্নবগী মশক্ ওইরবা মহারাজ! কর্ণনা অসিগী তুংদা, মহাকী মোইবুংগী মখোল্লা লাম্মী পূম্নমক্পু থুনা রাক্না শেম শাবা লোইহন্দুনা মখোল্লবু হোইহুনা লালকম মরাম্ব ভান্না পুশিল-লক্লে ॥১৩॥ লাম্মী মরাম অমুবু বরুবা কর্ণনা মকরব্যূহগী মওংদা হায়বদি তমীরগী মওংনা থেঙ শাদুনা পাণ্ডবশিংবু মোৎশিন্‌হন্নগে হায়বগী মতাওম্ পাণ্ডব লাম্মী মরাম্ পৈশিনদোম্না পুশিল্লক্ই ॥১৪॥ মহারাজ! মকরব্যূহ অমুগী মচীন্দা কর্ণ মশামক্ লৈখি। লাম্মী

মকরস্য তু তুণ্ডে বৈ কর্ণো রাজন্ ! ব্যবস্থিতঃ । নেত্রাভ্যাং শকুনিঃ শূর উলূকশ্চ মহারথঃ ॥১৫॥
দ্রোণপুত্রস্তু শিরসি গ্রীবায়াং সর্ব্বসোদরাঃ । মধ্যে দুর্য্যোধনো রাজা বলেন মহতা বৃতঃ ॥১৬॥
বামপাদে তু রাজেন্দ্র ! কৃতবর্ম্মা ব্যবস্থিতঃ । নারায়ণবলৈর্যুক্তো গোপালৈর্যুদ্ধদুর্ম্মদৈঃ ॥১৭॥
পাদে তু দক্ষিণে রাজন্ ! গৌতমঃ সত্যবিক্রমঃ । ত্রিগর্ত্তৈঃ সুমহেষ্বাসৈর্দাক্ষিণাত্যৈশ্চ সংবৃতঃ ॥১৮॥
অনুপাদস্তু যো বামস্তত্র শল্যো ব্যবস্থিতঃ । মহত্যা সেনয়া সার্দ্ধং মদ্রদেশসমুত্থয়া ॥১৯॥
দক্ষিণে তু মহারাজ ! সুষেণঃ সত্যসঙ্গরঃ । বৃতো রথসহস্রেণ দন্তিনাঞ্চ ত্রিভিঃ শতৈঃ ॥২০॥
পুচ্ছে হ্যাস্তাং মহাবীর্য্যৌ ভ্রাতরৌ পার্থিবৌ তদা । চিত্রশ্চ চিত্রসেনশ্চ মহত্যা সেনয়া বৃতৌ ॥২১॥
তথা প্রয়াতে রাজেন্দ্র ! কর্ণে নরবরোত্তমে । ধনঞ্জয়মভিপ্রেক্ষ্য ধর্ম্মরাজোঽব্রবীদিদম্ ॥২২॥
পশ্য পার্থ ! যথা সেনা ধার্ত্তরাষ্ট্রীহ সংযুগে । কর্ণেন বিহিতা বীর ! গুপ্তা বীরৈর্মহারথৈঃ ॥২৩॥
হতবীরতমা হ্যেষা ধার্ত্তরাষ্ট্রী মহাচমূঃ । ফল্গুশেষা মহাবাহো ! তৃণৈস্তুল্যা মতা মম ॥২৪

মপৈতনা ওইরিবা কুম্ভীরগী মমীৎ অনীনা শকুনিগা মহারথী উলূক অনীনা ওইথি ॥ ১৫ ॥ মকোক্তা অশ্বত্থামা অমগা দুর্য্যোধনগী অতৈ অতৈ মনাওশিংনা মকর অগী ওকশম্ মরী অহদা লৈ। মকর অগী মথুক্ মরায় চবুক্ত, লাম্মী মরাম্মা কোয়শিল্লবা দুর্য্যোধননা লৈরি ॥১৬॥ নিংথৌ অথোইবা ! গোপ জাতিগী লাওম্ কাওমত্রবা নারায়ণী লাম্মী মরাম্মা পূমকোয় কোয় শিল্লবা কৃতবর্ম্মানা কুম্ভীর অগী ওইথংবা মখোঙ ওইনা লেপথি ॥১৭॥ মহারাজ ! থাজেশেংনা কল্লবা মথৌনা লৈরবা কৃপাচার্য্যনা অচৌ অচৌবা লীরুং পায়রবা ত্রিগর্ত্ত অমদি দক্ষিণাত্যগী লাম্মীশিংনা পূমকোয় কোয়না মকর বেহগী য়েথংবা খোঙ ওইদুনা লৈথি ॥১৮॥ বেহগী ওয়-থংবা খোঙগী মনীঙথংবা শরুক্ত মদ্রদেশগী নিংথৌ শল্যনা মাগী পাকচাউরবা লাম্মী মপৈ অমগা লোয়নননা লেঙদনা লৈথি ॥১৯॥ মহারাজ ! রাশক চেৎলবা সুষেণনা রথী লিশিং অম অমগা শামু লাম্মী চহমুপা লোয়নননা মকর (কুম্ভীর) অমগী য়েৎথংবা খোঙগী মনীঙ থংবা শরুক্ত লৈথি ॥২০॥ বল্লবা নিংথৌ চিত্র অমদি চিত্রসেন মচীমনাও অনীনা পাকচাউরবা লাম্মী মপৈ অমগা লোয়নননা মকরব্যূহগী মমৈ ওইদুনা লৈথি ॥২১॥ নিংথৌ অথোইবা। নিপা অথোইবা কর্ণনা মতৌ অসুম্মা কৌরব লাম্মী মপৈবু মকরবেহ শাদুনা পুশিল্লকপদু উবদা যুধিষ্ঠিরনা মনাও অর্জ্জুনদা অসুম্মা হায়রকই ॥২২॥ "অকনবা অর্জ্জুন ! হৌজিক অসিদা কর্ণনা শাদুনা পুশিল-লকলিবা মকরব্যূহ অসি ভুক য়েংঙু। মহারথীশিংনা মকর অসিগী মকোক মমৈ, মখোঙ মথুক শা শাদুনা লৈনরি" ॥২৩॥ অকনবা অর্জ্জুন ! হৌজিক্তি কৌরব লাম্মীসিংগী মসুংদগী মরু মরু ওইবা অকনবা লুচিংবশিংদি লোইনা তুপ্রবনিনা, কায়রবা মচি মাওঙবা লাম্মী ওত্তা কৌরব তোকোপা লৈহৌরে। মখোয়লিবুদি নহাক্তা লাপীলোনা উবিনি হায়না খল্লি ॥ ২৪ ॥

একো ঽত্র মহেষ্বাসঃ সূতপুত্রো বিরাজতে। সদেবাসুরগন্ধর্বৈঃ সকিন্নরমহোরগৈঃ ॥২৫॥
চরাচরৈস্ত্রিভির্লোকৈরজয্যো যো মহারথঃ। তং হত্বাদ্য মহাবাহো। বিজয়স্তব ফাল্গুন। ॥২৬॥

(যুধিষ্ঠির)

উদ্ধৃতশ্চ ভবেচ্ছল্যো মম দ্বাদশবার্ষিকঃ। এবং জ্ঞাত্বা মহাবাহো। ব্যূহং ব্যূহ যথেচ্ছসি ॥২৭॥
ভ্রাতুরেতদ্বচঃ শ্রুত্বা পাণ্ডবঃ শ্বেতবাহনঃ। অর্দ্ধচন্দ্রেণ ব্যূহেন প্রত্যব্যূহত তাং চমূম্ ॥২৮॥
বামপার্শ্বে তু তস্যাথ ভীমসেনো ব্যবস্থিতঃ। দক্ষিণে চ মহেষ্বাসো ধৃষ্টদ্যুম্নো ব্যবস্থিতঃ ॥২৯॥
মধ্যে ব্যূহস্য রাজা তু পাণ্ডবশ্চ ধনঞ্জয়ঃ। নকুলঃ সহদেবশ্চ ধর্ম্মরাজস্য পৃষ্ঠতঃ ॥৩০॥
চক্ররক্ষৌ তু পাঞ্চাল্যৌ যুধামন্যূত্তমৌজসৌ। পার্থং ন জহতুর্যুদ্ধে পাল্যমানৌ কিরীটিনা ॥৩১॥
শেষা নৃপতয়ো বীরাঃ স্থিতা ব্যূহস্য দংশিতাঃ। যথাভাগং যথোৎসাহং যথাযত্নঞ্চ ভারত। ॥৩২॥
এবমেতন্মহাব্যূহং ব্যূহ্য ভারত। পাণ্ডবাঃ। তাবকাশ্চ মহেষ্বাসা যুদ্ধায়ৈব মনো দধুঃ ॥৩৩॥
দৃষ্ট্বা ব্যূঢ়াং তব চমূং সূতপুত্রেণ সংযুগে। নিহতান্ পাণ্ডবান্ মেনে ধার্ত্তরাষ্ট্রঃ সবান্ধবঃ ॥৩৪॥
তথৈব পাণ্ডবীং সেনাং ব্যূঢ়াং দৃষ্ট্বা যুধিষ্ঠিরঃ। ধার্ত্তরাষ্ট্রান্ হতান্ মেনে সকর্ণান্ বৈ জনাধিপঃ ॥৩৫॥

লাম্মী মপৈ অসিগী মখুংদা য়াওরিবা মহারথী হায়রবু কর্ণনি। অহনা অকনবা অর্জ্জুন! লাইহিংচাবা, গন্ধর্ব্ব, কিন্নর শিলুনচিংবা অচৌ অচৌবা অসুর কয়া কয়াগা লোয়নরবা মরোল অহুমক্তা জয় তৌবা ঙমজিবা কর্ণ অসিবু নহাক্না জয় তৌ ॥২৫—২৬॥ "অকনবা! কর্ণ অসিতগা হাৎলবদি চহী তরানিথোই চুপ্পা ঐগী থম্মোয়দা য়ুহনা লৈরিবা শনন খুমগী তাশোল অসে হুত্তোকলগনি। ঐনা হায়রিবসি মুম্না খল্লগা মকরব্যূহ অসিগী বিরুদ্ধদা মতৌক চাম্বা বেহ অম নংনা থম্মুনা শাউ" ॥২৭॥ যুধিষ্ঠিরগী য়া অসি তাবদা পাণ্ডুনন্দন অর্জ্জুননা পাণ্ডব লাম্মী মপৈ অদুবু অর্দ্ধচন্দ্রব্যূহগী মওংদা শেম্ শাহনা থমখি ॥২৮॥ বেহগী ওইথোংদা ভীমসেন, য়েৎ-লোমদা মহাধনুর্দ্ধারী ধৃষ্টদ্যুম্ন লৈ ॥২৯॥ যুধিষ্ঠির মশামক্তা বেহ অহুগী মরায় চবুক লৈ। মাগী পাণ্ডুনন্দন অর্জ্জুন, নকুল, সহদেব অহুমনা ঙাকশেন্নুনা লৈ ॥৩০॥ অর্জ্জুনগী রথবু অমদি চাকাবু ঙাকশেনবনা পাঞ্চাল দেশগী যুধামন্যু অমগা উত্তমৌজা অনীসিনা তৌরি। মথোয় অনীসিংহ অর্জ্জুননা অমুক ঙাকশেন্নুনা লৈবনা, অর্জ্জুনবু থাদোকনা ঙাকশেন্নুনা লৈখি ॥৩১॥ ভরতনন্দন, মহারাজ! লেমহৌবা অকনবা লাম্মী নিংথৌশিংনা অমদি সাত্যকিনচিংবনা বেহ অহুগী মকম্ অয়াথদা মকম চানা চানা, মপুক্রীংদা অকিবা থুক লাউবা করিমত লৈতনা খুদম্ চেৎনা লৈনখি ॥৩২॥ মহারাজ! মতৌ অসুমা বেহ শাবা লোইরবনা পাণ্ডবশিং অমদি মথোয়গী লাম্মী পুম্বা কর্ণনা পুশিন্নকলিবা লাম্মী মশেদোম্দা চংশিনগনবগী থৌজাং লোইরে ॥৩৩॥ অশোয়বুবা কর্ণনা শাদকলিনা বেহ অদু উবদা দুর্য্যোধননা পাণ্ডব লাম্মী পুম্বা যুদ্ধলেনদা হাৎনা থকলে হৌবে ॥৩৪॥ অশোয়বুবা যুধিষ্ঠিরনা, অর্জ্জুননা শাদিবা বেহ অদুদা লাম্মী পুম্বা লেপ্লম্লগা:

ততঃ শঙ্খাশ্চ ভের্য্যশ্চ পণবানকগোমুখাঃ। ডিণ্ডিমাশ্চাপ্যহন্যন্ত ঝর্ঝরাশ্চ সমন্ততঃ ॥৩৬॥
সেনয়োরুভয়ো রাজন্! প্রাবাদ্যন্ত মহাস্বনাঃ। সিংহনাদশ্চ সংজজ্ঞে শূরাণাং জয়গৃদ্ধিনাম্ ॥৩৭॥
হয়হেষিতশব্দাশ্চ বারণানাঞ্চ বৃংহিতাঃ। রথনেমিস্বনাশ্চোগ্রাঃ সংবভূবুর্জনাধিপ! ॥৩৮॥
স দ্রোণব্যসনং কশ্চিজ্জানীতে তত্র ভারত!। দৃষ্ট্বা কর্ণং মহেষ্বাসং মুখে ব্যূহস্য দংশিতম্ ॥৩৯॥
উভে সৈন্যে মহারাজ! প্রহৃষ্টনরসঙ্কুলে। যোদ্ধুকামে স্থিতে রাজন্! হন্তমন্যোন্যমোজসা ॥৪০॥
বিজয়ে জাতসংরম্ভে দৃষ্ট্বান্যোন্যং ব্যবস্থিতে। অনীকমধ্যে রাজেন্দ্র! চেরতুঃ কর্ণপাণ্ডবৌ ॥৪১॥
নৃত্যমানাবিব তে সেনে সমেয়াতাং পরস্পরম্। তয়োঃ পক্ষপ্রপক্ষেভ্যো নির্যযুর্জলিপ্সবঃ ॥৪২॥
ততঃ প্রববৃতে যুদ্ধং নরবারণবাজিনাম্। রথানাঞ্চ মহারাজ! অন্যোন্যমনিঘ্নতাম্ ॥৪৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
ব্যূহনির্ম্মাণে অষ্টমোঽধ্যায়ঃ ॥০॥ *

লৈবত্থ উবদা কৌরব ভেঙোল ওসি লোইরেদনা হায়না খনখ্রে ॥৩৫॥ অদুগী তুংদা, মায়গৈ পুম্বদগী পুং শেল যন্ত্র মখল মখল, পেরে শিঙ্গা, মোইবুং, পুং মচা অচৌবা জাৎ জাৎ, ঝাল-নচিংবা খোংগৎ য়েংথৎনরকলে ॥ ৩৬ ॥ মহারাজ! মতম্ অসিদা কৌরব পাণ্ডব পক্ষ অনীমক্তগী মখোল্ হৌর হৌরবা যন্ত্র জাৎ জাৎ থৈখৎ খোংগৎলরকই। জয় ওইরনি খনবা অকনবশিংনা সিংহনাদ কয়া বয়া লাউনরকলে ॥৩৭॥ মহারাজ! শগোলশিংনা খেক খেক খোংবগী মখোলনা শামুশিংনা লাউন-খোংনরকপগী মখোলনা অদুগা রথ ময়ামত্তগী চাকাগা লৈমায়গা তত্তরকপগী মখোয়া অকিবা কংনা মায়গৈ পুম্বা পূমনিন নিনথি ॥৩৮॥ ভরতনন্দন! মহারাজ! মহাধনুর্দ্ধারী কর্ণনা কৌরব লান্মী পুদুনা চত্তশিন্নকপসি উবদা অদুগা মশেক মতায়া ঈথল থয়া লৈবত্থ উবদা কনা অমতনস্থ দ্রোণ লৈত্রে হায়ৎগী খল্লুবা তৌদ্রে ॥ ৩৯ ॥ মহারাজ! মতম অসিদা পক্ষ অনীমক্তী লান্মী পূয়মক হয়াউ মুংতাইবনা মথুম্ মরাং হৌনখ্রে। হৌজিক লান্মীশিং অসি অমগমগ হাইজিন্নগদবগী থেংগাইননবগী কীভম্ তৌদুনা মুক্ত্না লৈনখ্রে ॥৪০॥ অখোইবা! পক্ষ অনীমক্তী লান্মী পুম্ব জয় ওইগনি য়েন্নবা হাৎকনি হায়না আশা কয়া তৌনদুনা লৈবসি উবদা কর্ণ অর্জুন অনীমক মাগী মাগী লান্মী মরক মরক্তা হজৎহন্দা চৎতুনা য়েংবা হৌরকই ॥৪১॥ অদুদগী লান্মী মরাম্ অদু জগোই শাবগুম্না চোংখোক্লকতুনা মাগী মাগী বেহদগী মপান্ খোক্লকই ॥৪২॥ মহারাজ! অদুদগীদি থীত্রে, শগোল শামু রথী—খোঙমীশিং অসি চোংশিন্ন-রকতুনা লাক্লাও হৌখে ॥৪৩॥

মকম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা ব্যূহনির্ম্মাণগী নিপালতবা অধ্যায় লোইরে ॥

শ্রীমহাভারতম্

নবমোঽধ্যায়ঃ।

মাপলগুবা অধ্যায়

(ক্ষেমধূর্ত্তিহ ৎপা মতাং)

——:-০-:——

সঞ্জয় উবাচ।

তে সেনেঽন্যোন্যমাসাদ্য প্রহৃষ্টাশ্বনরদ্বিপে। বৃহত্যৌ সম্প্রজহাতে দেবাসুরচমূপমে ॥১॥
ততো নররথাশ্বেভাঃ পত্তয়শ্চোগ্রবিক্রমাঃ। সম্প্রহারান্ ভৃশং চক্রুর্দেহপাপ্মবিনাশনান্ ॥২॥
পূর্ণচন্দ্রার্কপদ্মানাং কান্তিত্বিড়্গন্ধতঃ সমৈঃ। উত্তমাঙ্গৈর্নৃসিংহানাং নৃসিংহাস্তস্তরুর্মহীম্ ॥৩॥
অর্দ্ধচন্দ্রৈস্তথা ভল্লৈঃ ক্ষুরপ্রৈরসিপট্টিশৈঃ। পরশ্বধৈশ্চপহৃতান্যুত্তমাঙ্গানি যুধ্যতাম্ ॥৪॥
ব্যায়তায়তবাহূনাং ব্যায়তায়তবাহুভিঃ। বাহবঃ পাতিতা রেজুর্ধরণ্যাং সায়ুধাঙ্গদাঃ ॥৫॥
তৈঃ স্ফুরদ্ভির্মহী ভাতি বজ্রাঙ্গুলিতলৈস্তথা। গরুড়প্রহিতৈরুগ্রৈঃ পঞ্চাস্যৈরুরগৈরিব ॥৬॥
দ্বিরদ-স্যন্দনাশ্বেভ্যঃ পেতুর্বীরা দ্বিষদ্ধতাঃ। বিমানেভ্যো যথা ক্ষীণে পুণ্যে স্বর্গসদস্তথা ॥৭॥

সঞ্জয়না হায় ঃ—মহারাজ। খোঙমী-লান্মী শগোল শামু মপৈ মপৈনা থল্লবা লাইরামগী তেজোল অনীগুম্বা পক্ষ অনীহুগী লান্মীশিং অহু অমগমগ তকৃশিন্নরক্লুনা থেংনবা ফুন-শুনবা হোৎরক্লে ॥১॥ অকিবগী মশক্ কংলবা শগোল শামু রথ খোঙমীশিং অহু অমুকমুক থরাই থাব মাব চৈহু ফুন-শুনরকতুনা অচৌবা, অকিবগী মশক্ কংলবা লাঙ্গাও অম খোক্হনখি ॥২॥ কল্লবদা মায়-খোংনা থানিন থাজ মায়থোং মানবা, মশেক্ মঙান্দা সুমিৎকুম্বা, মন্‌ম সুংশিবদা থম্বালগী মনম্বু ঙমজবা, অকনবশিংগী মকোক্ মপৈ মপৈনা অহুগা অকনবশিংগী মখোঙ মখুৎ মপাম্বোমগী মপৈ মপৈনা লালকম্ লৈমায়থক্ অহু পূমক্‌প কৃপখ্রে ॥৩॥ থামচেৎ শাবা তেম্না, মচীন-থাঙ শাবা তেম্না, থাঙশাংনা, লীঙজেংনা, থাঙপাক্লা রায়থিন্নহনা অকনবশিং অচনা অমনা অমগী মঙকৃপূ খুদক্ খুদক্ত লৈমায় থক্ত কেনহনখি ॥৪॥ মপাম্বোম্ চাউরশাংলবা, নোয় পেল্লবা কল্লবা লান্মীশিং অহুনা মাগী মাগী য়েল্লবা অকনবশিংগী খুৎলায় অমদি খুজী নাচি তাজনচিংবনা লৈতেংলবা শাংল শাংলবা পাম্বোমশিং অহুবু কক্‌কক্লনা থাদনরকলে ॥৫॥ মতম্ অহুদা থরক্তুনা থদৎথদৎতুনা লাকতুনা লংথোয়রকপা, মতোক মঙা মঙা লোঙবা লিল অকনবগী মতোঙবা ঊনা পূমঙাং ঙাঙলবা খুৎশা মঙা মঙানা তিল্লবা পাম্বোমশিং অচনা মমেঠ মমেঠ চৎনা লৈমায়-থক্ত তাবহুমক রণভূমিগী লৈতেং অমমম্ঙম্ অকিবা কংনা নীঙবিজবি ॥৬॥ মর্ত্ত্যলোকত মানা

গদাভিরন্যে গুর্বীভিঃ পরিঘৈর্মুষলৈরপি।
পোথিতাঃ শতশঃ পেতুর্বীরা বীরতরৈ রণে ॥৮॥
রথা রথৈর্বিনিহতা মত্তা মত্তৈর্দ্বিপা দ্বিপৈঃ।
সাদিনঃ সাদিভিশ্চৈব তস্মিন্ পরমসঙ্কুলে ॥৯॥
রথৈর্নরা রথা নাগৈরশ্বারোহাশ্চ পত্তিভিঃ।
অশ্বারোহৈঃ পদাতাশ্চ নিহতা যুধি শেরতে ॥১০॥
রথাশ্বপত্তয়ো নাগৈ রথাশ্বৈশ্চাশ্চ পত্তিভিঃ।
রথপত্তিদ্বিপাশ্চাশ্বৈ রথৈশ্চাপি নরদ্বিপাঃ ॥১১॥
রথাশ্বেভনরাণাঞ্চ নরাশ্বেভরথৈঃ কৃতম্।
পাণিপাদৈশ্চ শস্ত্রৈশ্চ রথৈশ্চ কদনং মহৎ ॥১২॥
তথা তস্মিন্ বলে শূরৈর্বধ্যমানে হতেঽপি চ।
অস্মানভ্যাযযুঃ পার্থা বৃকোদরপুরোগমাঃ ॥১৩॥
ধৃষ্টদ্যুম্নঃ শিখণ্ডী চ দ্রৌপদেয়াঃ প্রভদ্রকাঃ।
সাত্যকিশ্চেকিতানশ্চ দ্রাবিড়ৈঃ সৈনিকৈঃ সহ ॥১৪॥
বৃতা ব্যূহেন মহতা পাণ্ড্যাশ্চোলাঃ সকেরলাঃ।
ব্যূঢ়োরস্কা দীর্ঘভুজাঃ প্রাংশবঃ পৃথুলোচনাঃ ॥১৫॥
আপীড়িনো রক্তদন্তা মত্তমাতঙ্গবিক্রমাঃ।
নানাবিরাগবসনা গন্ধচূর্ণাবচূর্ণিতাঃ ॥১৬॥

মানা তৌরম্বা পুণ্য কর্ম্মগী মহেহ্ন চাবা হেক হেক লোইরগা স্বর্গদা লৈরম্বশিংনা মাপ্পী মাপী বিমানদগী নাম্বরকপা, অমুক হন্না মর্ত্ত্যলোত কুম্থরকপহুগুম্না অকনবা মথৌনা লৈবশিং অহুনা মাগী মাগী শগোল শামু রথদগী নাম্থইকথহুনা তানরক্লে ॥৭॥ অকনবশিং অহুনা য়েচ্ছক, শীগুজং, গদানা থারকপহুদা চাম চামনা ঈহং নাইহং শানা শানা লালকম্ লৈমায়থক্ত তুথনরকলি ॥৮॥ খুৎথেংননবা শোক্লবা অকিব কংনা শোক্লবা লাঞ্জাও অহুদা রথীশিংনা রথীশিংবু, মংগায় কারবা শামুশিংনা শামুশিংবু, শগোল তোংবা লাম্মীশিংনা শগোল তোংবা লাম্মীশিংবু তকথায়বা নৈহৎপা হৌনরকলে ॥৯॥ রথীনা হাৎপা খোঙমীশিংনা, শামুনা নেৎথায়বা রথগা কোন্নবা রথীশিংনা খোঙমীব চিংথু চিংথুহুনা হাৎপা শগোল তোংবা লাম্মীশিংনা, শগোল্ তোংবা লাম্মীশিংনা নেৎথায়হুনা শিরবা লাম্মী মপৈ মপৈনা খুদক খুদক্ত লৈমায়থক্ত তুথনরকলে ॥১০॥ শামুশিংনা খোঙমী, রথী, শগোলশিংবু নৈথাই নৈথাইহুনা হাৎপা হৌরকলে। খোঙমীশিংনা চোংশিন হোজ্জিন্দুনা রথবু শগোল শামুশিংবু তায় তায় হাৎপ হৌনরকলে। শগোল্ তোংবা লাম্মীশিংনা রথীবু খোঙমীবু অহুগা শামুশিংবু হাৎলকলে। রথীশিংনসু খোঙমীশিং অমদি শামুশিংবু হাৎপা হৌরকলে ॥১১॥ শগোল শামু রথ অহুগা খোঙমীশিংনা মখোঙনা মখুৎনা অমদি থাঙ তানচিংবা খুৎলায়না হাৎনথিন্নরকপসিনা হায়রিবা মখোয়শিং অসিনা থাঙমদবা চৈনা কংনরক্লে লাউনথোংনরকলে ॥১২॥ পঙ্ক অনীমকী লাম্মীশিংনা হাৎনরকপা মতম্সিদা ভীমসেননচিংবা পাণ্ডব পঙ্কগী অকনবশিং অসি কৌরব লাম্মীয়োম্দা অমুক সুম্ চঙশিল্লকই ॥১৩॥ মহারাজ। দ্রবিড়দেশকী লাম্মীশিংগা লোয়নমা ধৃষ্টদ্যুম্ন, শিখণ্ডী, দ্রৌপদীগী মচাশিং, প্রভদ্রকশিং, সাত্যকি, চেকিতান অহুগা মথবাক কন্নবা, মপাম্বোম চাউশাংলবা, মশা মউ রাং চাউরবা, মমীৎ লাওরবা, মকোক্ত লৈপকেং য়েজ্জিনবা, মন্না ভাংশং ভাংশং ভাঙবা শাজবা মন্নায় কারবা শামু অমমথুবা, মচু মচুগী ফানফি

বদ্ধাসয়: পাশহস্তা বারণপ্রতিবারণাঃ। সমানবৃত্যাখো রাজন্। রাত্যজন্ত পরস্পরম্ ॥১৭॥

(কলাপকম)

কলাপিনশ্চাপহস্তা দীর্ঘকেশাঃ প্রিয়ংবদাঃ। পত্তয়: সাদ্বৈর্বিদ্ধা ঘোররূপপরাক্রমাঃ ॥১৮॥
অথাপরে পুনঃ শূরাশ্চেদিপাঞ্চালকেকয়াঃ। কারূষাঃ কোশলাঃ কাঞ্চ্যা মগধাশ্চাপি দুদ্রুবুঃ ॥১৯॥
তেষাং রথাশ্বনাগাশ্চ প্রবরাশ্চোগ্রপত্তয়ঃ। নানাবাণরবৈর্হৃষ্টা নৃত্যন্তি চ হসন্তি চ ॥২০॥
তস্য সৈন্যস্য মহতো মহামাত্রবরৈর্বৃতঃ। মধ্যে বৃকোদরোঽভ্যায়াদ্বদীয়ান্ নাগধূর্গতঃ ॥২১॥
স নাগপ্রবরোঽত্যুগ্রো বিধিবৎ কল্পিতো বভৌ। উদয়াগ্র্যাদ্রিভবনং যথাভ্যুদিতভাস্করম্ ॥২২॥
তস্যায়সং বর্ম্মবরং বররত্নবিভূষিতম্। তারাব্যাপ্তস্য নভসঃ সারদস্য সমং ত্বিষা ॥২৩॥
স তোমরব্যগ্রকরশ্চারুমৌলিঃ স্বলঙ্কৃতঃ। শরন্মধ্যন্দিনার্কাভস্তেজসা প্রাদহদ্রিপূন্ ॥২৪॥
তং দৃষ্ট্বা দ্বিরদং দূরাৎ ক্ষেমধূর্ত্তির্দ্বিপস্থিতঃ। আহ্বয়ন্নভিদুদ্রাব প্রহসন্ পৃতনামুখে ॥২৫॥

ফীজোল শেৎপা, মনম মুংশিরবা চন্দননা মশা পুম্বা তৈরবা, মথুন্তা থাঙশাং পায়বা, থৌরী পায়বা শামুব্ থক্ থক্ কাবা খিংবা ঙম্বা, চপ্‌মান্নবা শিমিন্নসি হায়না রাশরুবা, লাম্মীশিং মপৈ অমগা লোয়নবা পাণ্ড্য, চোল, কেরল দেশগী লাম্মীশিংনা অমগমগ থাদোক্লম্রে ॥১৪—১৭॥ মকোক্ত রাহোং মতু থেৎপা', জীরুং পায়ব', মশমমনানচিংবা, মুংশিবা রাওাং ঙাঙবা মথোল লৌবা অদুগা মশক মতৌদি অকিবগী মশক ওইবা, মতীক্ মঙণ মথৌনা লৈবা খোঙমী কয়া কয়ানা থের থৌরবা তেম্ন পানবদা শাথিনা চৈনা কনরকলি ॥১৮॥ অদুগী তুংদা চেদি, পাঞ্চাল, কেকয়, কারূষ, কোশাল, কাঞ্চী অদুগা মগধ দেশগী অকনবদ্রাং অসি অমনা অমদা চেনশিন কুম্মিরকলে ॥১৯॥ মখোয়সিগী শগোল শামু রথশিং অদো ওস্থেক্লা কজ-কজবা কল্লবা ঙাক্তনি। মখোয়সিগী খোঙমীশিং অদুদি থৌরবা তেম্না পাল্ল পাল্লগা অহোয়নদুম্ লাউ লাউদুনা নোক্ত্না জগোই শানরকলি ॥২০॥ মহারাজ। মতম্ অসিদা পাক্ চাউরবা লাম্মী তেঙোল মরক্ অদুদা অকনবা ভীমসেন অসি রাং চাউরবা শামু অমগী মুম্মদা তোংদুনা হৈশিংলবা মাউৎশিংনা ঈকোয় কোয়শিল্লদুনা কৌরব লাম্মী মপৈ তম্না চঙশিল্লকই ॥২১॥ মুমিৎনা হেক থোয়কপদা উদয় পর্বতকী চীংদেন্দা লৈবা মুমনা মথাদগী য়েংবদা থোইদোক্লা নীঙথিজবদুঙম্না নীঙথিজরবা শীজোল্লা লৈত্তেংলবা ভীমসেননা তোংবা শামু অসি য়েংবদা থোইদোক্লা নীঙথিজৈ ॥২২॥ কয় কয়বা মমল্ল রাল্লবা মনিমুক্ত মরীক্ মরীল্লা থাল্লব', তগুপ তরেংনা কুপকেৎ কাকেৎ ঙাল্লবা ভীমসেনগী কবচ (লাল ফুরিৎ) অদুনা শরৎকী পাক্লবা তগুপ তরেংলবা থবানমিচাক্লা থল্লবা অহিল্লা মকোয়ঙুম থোইনা নীঙথিজৈ ॥ ২৩ ॥ অদুগী তুংদা য়োৎকক পায়বা, খাঙ অঙেনবা পায়বা, কজরবা লৈপরেং শিবা, কজনা শেৎ-চায়বা, শরৎ ঋতুগী নুমিৎ নুংবা মতম্গী নুমিৎকী মতৌঙম্না থেজ কৈরবা ভীমনা কৌরব লাম্মী মপৈবু চাক্থেক্পা হৌরক্লে ॥২৪॥ অরাঙ্গদগী ভীমসেনগী

তয়োঃ সমভবদ্যুদ্ধং দ্বিপয়োস্তত্র কঞ্জরয়োঃ।
সংসক্তনাগৌ তৌ বীরৌ তোমরৈরিতরেতরম্।
ব্যপসৃত্য তু নাগাভ্যাং মণ্ডলানি বিচেরতুঃ।
স্ফোটিতাস্ফোটিতরবৈর্বাণশব্দৈস্ত সর্ব্বতঃ।
সমুদ্যতকরাভ্যাং তৌ দ্বিপাভ্যাং কৃতিনাবুভৌ।
তাবন্যোন্যস্য ধনুষী ছিত্বান্যোন্যং বিনেদতুঃ।
ক্ষেমধূর্ত্তিস্তদা ভীমং তোমরেণ স্তনান্তরে।
স ভীমসেনঃ শুশুভে তোমরৈরঙ্গমাশ্রিতৈঃ।
ততো ভাস্করবর্ণাভমঞ্জোগতিময়স্ময়ম্।

মৃত্যুং কৃতবতোর্হাপর্বতয়োরিব ॥২৫॥
অলবৎ সূর্য্যরশ্ম্যাভৈস্তিষ্যাভ্যোন্যং বিনেদতুঃ ॥২৬॥
প্রগৃহ্য চোভৌ ধনুষী অঘ্নতুর্বৈ পরস্পরম্ ॥২৮॥
তৌ জনং হর্ষয়ন্তৌ চ সিংহনাদং প্রচক্রতুঃ ॥২৯॥
বাতোদ্ধূতপতাকাভ্যাং যুযুধাতে মহাবলৌ ॥৩০॥
শক্তিতোমরবর্ষেণ প্রাবৃণ্মেঘাবিবাম্বুভিঃ ॥৩১॥
নির্বিভেদাতিবেগেন ষড্ভিশ্চাপ্যপরৈর্নদন্ ॥৩২॥
ক্রোধদীপ্তবপুর্মেঘৈঃ সপ্তরশ্মিরিবাংশুমান্ ॥৩৩॥
সসর্জ্জ তোমরং ভীমঃ প্রত্যমিত্রায় যত্নবান্ ॥৩৪॥

শামু অহু উবদা শামু ভোংবা লাম্নী ওইরিবা ক্ষেমধূর্ত্তি হায়বসি করেমনা থেক্ক থেক্ক নোক্‌না পাণ্ডব লাম্নী মপৈ তম্না ফুজিল্লকই ॥২৫॥ মমাঙৈদা লাই নোংদম্ য়াথংদগী চীঙজাও অনীনা মশা খপতুনা চেনশিন থেংজিন্নরক্পহৌঙম্না অকিবগী মশক ফংলবা ভীমসেন-ক্ষেমধূর্ত্তি অনীগী শামু অনি অসি চেনশিন্নহুনা য়াথিন্নরকই ॥২৬॥ শামু অনীহনা অমগমগ কোয়তক্লরক্লংদা শামু মথক্ত লৈনরিবা ভীমসেন ক্ষেমধূর্ত্তি অনীসি মখুত্তা পায়রিবা লংলবা থাঙপাক্ থাঙ অভেনবা অহুনা হাইজিন হাইজিন্দুনা য়ায়রক্লে। অমগমগ লাউন ঙংনরকই ॥২৭॥ অহুদগী অনী অসি মাগী মাগী শামুহু থৈদোক্লহুনা কোয়না কোয়না লৈনা লৈনা চৎনরক্লে। অহুদগীদি থাঙতা থাদোক্লহুনা মখুৎ মখুত্তা লীক্লং অমমম্ পায়খৎনহুনা অমনা অমদা কম কম। ভেগ কাপশিন্নরক্লে ॥২৮॥ অহুদগী মখোয় অনী শামু মথক অহুদা ঙংনলাউনহুনা, মপাম্বোম্ পোপ্-পোপ্ লাউনা ফূনহুনা অমদি কাপথোক্লরকপা তেলগী মখোল অহুনা অভাবা অউবা লাম্নীশিংগী মমীত মুংঙাইবা পীদুনা সিংহনাদ লাউনরকই ॥ ২৯ ॥ শামু অনী অদো মনাতোল্ থাংগৎনরক্লে। মতৌ মখোয় অনীগী মথক্তা তায়বোত্তা য়ুংলি থেৎলিবা ফিরালশিং অদো হাইহম্না নীঙথৈ। মতৌ অমুম্না শামু মথক্তা গজারোহী লাম্নী ওইনা শোক্লরিবা, লাল হৈরবা, কল্লবা ভীমসেন ক্ষেমধূর্ত্তি অনীসি শামুনা শাদোং ওইনহুনা কম থেংনরক্লে ॥৩০॥ মখোয়না অমনা অমগী লীক্লং কককৎ-নহুনা, বর্ষাগী মতমদা নোং মতুমশিংনা চুখচুখনা লাউবা ঙংবহৌঙম্না, থাঙ-ভানচিংবনা অমনা অমগী ঊগী থাম্না শিন্দহন্দুনা লাউনখোংনখি ॥৩১॥ মতম্ অসিদা ক্ষেমধূর্ত্তি হায়বঃ কৌরব পক্কী অকনবহুনা থাঙ অভেনবা [থৃত্রী] অমনা ভীমগী থবাক্তা য়াল্লগা অমুক তকম্না হয় য়াহিগ্গনি ॥৩২॥ শাউবনা কুতোল্ কায়বা ভীমসেন অসি খুলায়শিং অহুনা থানম্নামবগী শিহ্বকপা ঊগী থাবানা নুমক্লোৎ চোত্না তাঙলবা মশেক্ থাংলবা সুমিৎকী মতৌঙম্না থোইনা নীঙথিজখি ॥৩৩॥ অহুগী কুম্না ভীমসেননা য়ায়া চেকশিন্না সুমিৎকী মতৌঙম্না লাল চাক্লবা তোমৌতনা শাথবা য়ম্না

ততঃ কুলূতাধিপতিশ্চাপমানম্য সায়কৈঃ। দশভিস্তোমরং ছিত্বা ষষ্ট্যা বিব্যাধ পাণ্ডবম্ ॥৩৫॥
অথ কার্ম্মুকমাদায় ভীমো জলদনিস্বনম্। রিপোরভ্যর্দয়ন্নাগমুন্নদন্ পাণ্ডবঃ শরৈঃ ॥৩৬॥
স শরৌঘার্দ্দিতো নাগো ভীমসেনেন সংযুগে। গৃহ্যমাণোঽপি নাতিষ্ঠদ্বাতোদ্ধূত ইবাম্বুদঃ ॥৩৭॥
তমভ্যধাবদ্দ্বিরদং ভীমো ভীমস্য নাগরাট্। মহাবাতেরিতং মেঘং বাতোদ্ধূত ইবাম্বুদঃ ॥৩৮॥
সন্নিবার্য্যাত্মনো নাগং ক্ষেমধূর্ত্তিঃ প্রতাপবান্। বিব্যাধাভিদ্রুতং বাণৈর্ভীমসেনস্য কুঞ্জরম্ ॥৩৯॥
ততঃ সাধুবিসৃষ্টেন ক্ষুরেণানতপর্ব্বণা। ছিত্বা শরাসনং শত্রোর্নাগং সামিত্রমার্দ্দয়ৎ ॥৪০॥
ততঃ ক্রুদ্ধো রণে ভীমং ক্ষেমধূর্ত্তিঃ পরাভিনৎ। জঘান চাস্য দ্বিরদং নারাচৈঃ সর্ব্বমর্ম্মসু ॥৪১॥
স পপাত মহানাগো ভীমসেনস্য ভারত।। পুরা নাগস্য পতনাদবপ্লুত্য স্থিতো মহীম্ ॥৪২॥
তস্য ভীমোঽপি দ্বিরদং গদয়া সমপোথয়ৎ। তস্মাৎ প্রমথিতান্নাগাৎ ক্ষেমধূর্ত্তিরবপ্লুতঃ ॥৪৩॥
উদ্যম্য খড়্গং নিশিতমভ্যধাবৎ স পাণ্ডবম্। উদ্যতায়ুধমায়ান্তং গদয়াহন্ বৃকোদরঃ ॥৪৪॥
স পপাত হতঃ সাসির্ব্যসুস্তমভিতো দ্বিপম্। বজ্রপ্রগ্নমচলং সিংহো বজ্রহতো যথা ॥৪৫॥

শাফু কল্লবা থাঙপাক অতেনবা অম ক্ষেমধূর্ত্তি মথক্ত, লংশিল্লকই ॥৩৪॥ অদুগী তুংদা কুলূত দেশগী নিংথৌ ক্ষেমধূর্ত্তি হায়রবসিনা লীরীবু কন্না নাকোং মরু কাওবা চিংদুনা থৌরবা তেল তয়ানা ভীমগী পাইশিল্ললিবা থাঙ অদু ককথৎলগা তেল্ হুমফূনা ভীমগী থবাক্ত কন্না থাখি ॥৩৫॥ অদুগী তুংদা পাণ্ডুনন্দন ভীমসেননা ওংদুনা মখোল লুম্না হৌনা থোক্লবা লীরুং অম পায়খত্তুনা, লাউদুনা ওংদুনা তেল মপে মপেনা ক্ষেমধূর্ত্তিগী শামু অদুবু লৈকম্ খওহন্দনা নৈহত্তুনা থম্‌খি ॥৩৬॥ ভীমসেননা নৈরকপসিদা, মাহুত [মাউৎ] কন য়াম্না খান্মিদি হায়রবু ক্ষেমধূর্ত্তিগী শামু অদু মুংশিৎকী মমাঙ থানা হৌদুনা চেনখ্রে ॥৩৭॥ অদুদগীদি মহারাজ। নোংমদোন্দা মুংশিৎকী ইপোম্ অমনা হোৎহুনা চেন্দুনা পুখিবা মুরবা নোং মতুম অমগী মতুংদা অতোম্না নোং মতুম অমনা তাম্নরকপত্রওম্না ভীমসেনগী শামুনা ক্ষেমধূর্ত্তিগী শামু অদুগী মতুংদা প্রপপ্রপ তাম্নরকই ॥৩৮॥ অদুদগী কল্লবা থৌরবা ক্ষেমধূর্ত্তিনা ওনশিল্লক্ত্‌না অদুগা শামু অদুবু থাম্‌দুনা তেক্তনা ভীমসেনগী শামু অদুবু কন্না নৈবা হৌরক্লে ॥ ৩৯ ॥ অদুগী তুংদা ভীমসেননা ক্ষুর মচীন শাবা থৌরবা তেল অমনা ক্ষেমধূর্ত্তিগী লীরুং অদু ককথৎলগা শামু অদুগা কোম্রনা ক্ষেমধূর্ত্তিবু অকনবা চৈনা পীদুনা নৈবা হৌরক্লে ॥৪০॥ অদুগী তুংদা শাউরবা ক্ষেমধূর্ত্তি অসি ভীমদা হন্না হন্না অকন্‌বা চৈনা পীরক্লে। য়েত্তুম্ মচীন শাবা তেল মপে মপেনা ভীমগী শামু অদুগী থর্জীন্দা থাজিল্লকই ॥৪১॥ ভরতনন্দন। ভীমগী শামু অদু লৈমায়রোম্‌দা তুথরক্লবদা ভীমসেন অসি খুৎলৈ থ্‌না চোংথোক্‌হৌদ্রনা গদানা লৈমায়থক্ত চপ লেপ্লি ॥ ৪২ ॥ অদুদগী ভীমসেন্না চোংশিনখিদুনা কুদেকতুনা ক্ষেমধূর্ত্তিগী শামু অদু নৈহৎখি। ক্ষেমধূর্ত্তিসু মাগী শামু অদুনা তুথরকপদা লৈমায়থক্তা চোংথোকতুনা হেক লেপ্লি ॥৪৩॥ অদুদগী মরিল লৈরবা ক্ষেমধূর্ত্তি অসি থৌরবা থাঙলাং অম পায়খৎতুনা ভীম তম্না প্রপ্রপ্ চেলশিল্লকই। অদুগী

তং হতং ভূপতিং দৃষ্ট্বা কুলূতানাং যশস্করম্। প্রাদ্রবদ্ব্যথিতা সেনা ঘদীয়া ভরতর্ষভ।।৪৬।।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
ক্ষেমধূর্ত্তিবধে নবমোঽধ্যায়ঃ।।৯।। *

—:০:—

ভীমসু হোৎজিনকভুনা গদানা মত্তোঙ্গা কয়া থাই ।। ৪৪ ।। মতম্ অমুদা ক্ষেমধূর্ত্তি অসি বজ্রনা থাবা নোংশানা বজ্রনা থিনগাইরবা চীংগী চীঙখোংদা তাবমুঙগুম্না ভীমগী বজ্রগা মাগ্গরবা গদানা থাবদা মখুত্তা থাঙশাং পায়রবা ক্ষেমধূর্ত্তি অসি মহাকী ভুমনা লৈমিবা শাম্ব অমুগী মনাক-মতুদা তাম্বনা লৈপ্রে ।।৪৫।। ভরত শাগৈগী অথোইবা মহারাজ। কুলূত দেশগী কনবা ক্ষেম-ধূর্ত্তিবু হাৎখিবসি উবদা মহারাজগী কৌরব লাম্নী পুম্বা কায়মুনা চেম্বরে ।।৪৬।।

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা "ক্ষেম-ধূর্ত্তিবধ" দা মাপলগুবা অধ্যায় লোইরে ।।৯।।

— — —

শ্রীমহাভারতম্

দশমোঽধ্যায়ঃ।

তরা শুবা অধ্যায়

(বিন্দ-অনুবিন্দ হাৎপগী মতাং)

সঞ্জয় উবাচ।

ততঃ কর্ণো মহেষ্বাসঃ পাণ্ডবানামনীকিনীম্ জঘান সমরে শূরঃ শরৈঃ সন্নতপর্ব্বভিঃ ।।১।।
তথৈব পাণ্ডবা রাজংস্তব পুত্রস্য বাহিনীম্। কর্ণস্য প্রমুখে ক্রুদ্ধা নিজঘ্নুস্তে মহারথাঃ ।।২।।
কর্ণোঽপি রাজন্। সমরে ব্যহনৎ পাণ্ডবীং চমূম্। নারাচৈরর্কর্শ্ম্যাভৈঃ কর্ম্মারপরিমার্জ্জিতৈঃ ।।৩।।
তত্র ভারত। কর্ণেন নারাচৈস্তাড়িতা গজাঃ। নেদুঃ সেদুশ্চ মম্লুশ্চ বভ্রমুশ্চ দিশো দশ ।।৪।।

সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ। অসিগী তুংদা মহাধনুর্দ্ধারী, কনবা, সেনাপতি কর্ণনা থৌর-থৌরবা তেঙনা পাণ্ডব লাম্নী পুম্নমকপু নৈবা হৌরকলে ।।১।। মহারাজ। মহারথী ওইরবা পাণ্ডবশিংনসু শাউথিঙনা কর্ণ নৈনা নৈনা মাগী মমাঙমতুদা কৌরব লাম্নীশিংবু নৈব হাৎপা হৌরক্লে ।।২।। মহারাজ। কর্ণসু ভুমিংকী মশেক্কী মতৌগুম্না চাক্ক লাংলবা, মথৌ শাঙলবা মচীন্না মু তৈবা তেলমকনা পাণ্ডব লাম্নীশিংবু হাৎপা হৌরক্লে ।।৩।। ভারতনন্দন। পাণ্ডব পক্ষগী

বধ্যামানে বলে তস্মিন্ সূতপুত্রেণ মারিষ। । নকুলোঽভ্যবত্তৃ র্ণং সূতপুত্রং মহারণে ॥৫॥
ভীমসেনস্তথা দ্রৌণিং কুর্ব্বাণং কর্ম্ম দুষ্করম্। বিন্দানুবিন্দৌ কৈকেয়ৌ সাত্যকিঃ সমবারয়ৎ ॥৬॥
শ্রুতকর্ম্মাণমায়ান্তং চিত্রসেনো মহীপতিঃ। প্রতিবিন্ধ্যস্তথা চিত্রং চিত্রকেতনকার্ম্মুকম্ ॥৭॥
দুর্য্যোধনস্তু রাজানং ধর্ম্মপুত্রং যুধিষ্ঠিরম্। সংশপ্তকগণা ক্রুদ্ধা অভ্যধাবন্ ধনঞ্জয়ম্ ॥৮॥
ধৃষ্টদ্যুম্নঃ কৃপঞ্চাপি তস্মিন্ বীরবরক্ষয়ে। শিখণ্ডী কৃতবর্ম্মাণং সমাসাদয়দচ্যুতম্ ॥৯॥
শ্রুতকীর্ত্তিস্তথা শল্যং মাদ্রীপুত্রঃ সুতঃ তব। দুঃশাসনং মহারাজ। সহদেবঃ প্রতাপবান্ ॥১০॥
কৈকেয়ৌ সাত্যকিং যুদ্ধে শরবর্ষেণ ভাস্বতা। সাত্যকিঃ কেকয়ৌ চাপি চ্ছাদয়ামাস ভারত। ॥১১॥
তাবেনং ভ্রাতরৌ বীরৌ জঘ্নতুর্হৃদয়ে ভৃশম্। বিষাণাভ্যাং যথা নাগৌ প্রতিনাগং মহাবনে ॥১২॥
শরসংভিন্নবর্ম্মাণৌ তাবুভৌ ভ্রাতরৌ রণে। সাত্যকিং সত্যকর্ম্মাণং রাজন্। বিব্যধতুঃ শরৈঃ ॥১৩॥

শামুশিং অহৃ কর্ণগী তেলনা থাব-পানবদা চৈনা থাঙবা ঙমদহুনা লাউ থোঙবা হৌরকলে। মমায় লাংশিনখিহুনা মায়গৈ মরি কাংনা চেম্নরে ॥৪॥ ঈকায় খুম্নবগী মশক্ ওইরবা নিংথৌ। কর্ণনা মতৌ অসুম্না পাণ্ডব লাম্নীশিংবু হাৎচিল্লকপসি উবদা নকুলনা থুনা ম্রাঙনা মাগী লাম্নী-শিংগা লোয়নমা কর্ণ তম্না চেলশিল্লকই ॥৫॥ ভীমসেনসু তৌঙমদবা থবক তৌরম্বা অশ্বত্থাম তম্না চেনশিল্লকই। সাত্যকিনা কেকয় দেশকী বিন্দ অনুবিন্দরোমদা হোচ্চিল্লকতুনা মথোয় অনীবু থিংতনা থম্‌খি ॥৬॥ অর্জ্জুনগী মচা শ্রুতকর্ম্মানা চণ্ডশিল্লকপদা চিত্রসেননা মহাকপূ কল্ল থিংদুগা থমখি। য়েক্ খোৎলবা কিরাল অহুগা য়েক্‌খোৎলবা লীরুংনা মহাকী ওইবা অকনবা চিত্রনা চণ্ডশিল্লকলবদা যুধিষ্ঠিরগী মচা প্রতিবিন্ধ্যানা মহাকপু থিংহুনা থমখি ॥৭॥ দুর্য্যোধননা ধর্ম্ম পুত্র যুধিষ্ঠির তম্না চণ্ডশিল্লকপা মতমদা সংশপ্তক লাম্নীশিংনসু রাম্না হরাউনা অর্জ্জুন তম্না চণ্ডশিল্লকই ॥৮॥ অকনবা মশক্ নাইবা কয়া হাৎপ্রবা ধৃষ্টদ্যুম্ননা কৃপাচার্যগী, অকনবা শিখণ্ডীনা কৃতবর্ম্মাগী মায়োক্ য়াখি ॥৯॥ মহারাজ! অহুগী ভুংদা সহদেবগী মচা শ্রুতসেননা শল্যবু অহুগা মতীক্ মগুণ চাউরবা, মাগী মচা সহদেবনা মহারাজগী নচা ঈবুঙো দুঃশাসনবু থিংহুনা থমখি ॥১০॥ ভরতনন্দন মহারাজ! কৈকয় দেশগী বিন্দ অনুবিন্দ অনীনা সত্যকিগী মথক্তা থোৗর থোৗরবা তেম্না কাপশিল্লকপা মতম্‌দা সাত্যকিনসু মখোয় অনীগী মথক্তা থোৗর থোৗরবা তেম্না অতৈ অথম্ লৈতনা কাপ্‌শিল্লকই। অহুগা তেন্তনঃ নোংগী থারাঙম্ হৈথরকতুনা মখোয় অনীগী মথা পুম্বা তেম্না পুম্‌কুপ কৃপশিনহনখে ॥১১॥ বনগী কয়বা শামু লমণা অনীনা অমত ওইনা ময়ায় কায়বা শামু অমতদা আক্রমণ তৌশিল্লকপহুঙম্না বিন্দ অনুবিন্দ অনীনা সাত্যকিগী থবীম্বা কয় কয়া থাজিল্লকই ॥ ১২ ॥ মহারাজ। সাত্যকিগী তেম্না পানবদা বিন্দ অনুবিন্দ অনীগী কবচ [লাল কুথিৎ] অনীমু ইতৎ তৎলে। অদুম ওইনমক, অনী অসিনা কয়বা, অচুম কর্মকা

তৌ সাত্যকির্মহারাজ! প্রহসন্ সর্ব্বতো দিশঃ। ছাদয়ন্ শরবর্ষেণ বারয়ামাস ভারত! ।১৪।
বার্য্যমাণৌ ততস্তৌ হি শৈনেয়শরবৃষ্টিভিঃ। শৈনেয়স্য রথং তূর্ণং ছাদয়ামাসতুঃ শরৈঃ ।১৫।
তয়োস্তু ধনুষী চিত্রে ছিত্ত্বা শৌরির্মহাযশাঃ। অথ তৌ সায়কৈস্তীক্ষ্ণৈর্বারয়ামাস সাত্যকিঃ ।১৬।
অথান্যে ধনুষী চিত্রে প্রগৃহ্য চ মহাশরান্। সাত্যকিং ছাদয়ন্তৌ তৌ চেরতুর্লঘু সুষ্ঠু চ ।১৭।
তাভ্যাং মুক্তা মহাবাণাঃ কঙ্কবর্হিণবাসসঃ। দ্যোতয়ন্তো দিশঃ সর্ব্বাঃ সম্পেতুঃ স্বর্ণভূষণাঃ ।১৮।
বাণান্ধকারমভবত্তয়ো রাজন্! মহামৃধে। অন্যোন্যস্য ধনুশ্চৈব চিচ্ছিদুস্তে মহারথাঃ ।১৯।
ততঃ ক্রুদ্ধো মহারাজ! সাত্বতো যুদ্ধদুর্ম্মদঃ। ধনুরন্যৎ সমাদায় সজ্যং কৃত্বা চ সংযুগে ।২০।
ক্ষুরপ্রেণ সুতীক্ষ্ণেন অনুবিন্দশিরোঽহরৎ। অপতত্তচ্ছিরো রাজন্! কুণ্ডলোপচিতং মহৎ ।২১।
শম্বরস্য শিরো যদ্বন্নিহতস্য মহারণে। শোচয়ন্ কেকয়ান্ সর্ব্বান্ জগামাশু বসুন্ধরাম্ ।২২।
(বিশেষকম্)
তং দৃষ্ট্বা নিহতং শূরং ভ্রাতা তস্য মহারথঃ। সজ্যমন্যদ্ধনুঃ কৃত্বা শৈনেয়ং পর্য্যবারয়ৎ ।২৩।

থাজিল্লকই ॥১৩॥ ভরতনন্দন মহারাজ! মতম্ তৌরবা সাত্যকিদা অকনবা চৈনা পীন পীনা থাজিল্লকই ॥১৩॥ ভরতনন্দন মহারাজ! মতম্ তৌরবা সাত্যকিদা অকনবা চৈনা পীন পীনা থাজিল্লকই

অসিদা সাত্যকিনা নোক্ক নোক্কা, মায়গৈ পুম্বা তেন্না পুম্নম্ মমহন্দুনা মখোয় অনীবু হাইজিনবা য়াদনা কন্না থিংখি ॥১৪॥ সাত্যকিগী তেন্না কন্না থিংহনা থমখ্রবা বিন্দ অনুবিন্দ অনীসিনা থুনা য়াঙনা কাপশিল্লক্লনা সাত্যকিগী রথ অদু মশক উদবমখৈ তেন্তনা পুমযোম্ য়োমহনখ্রে ॥১৫॥ মতম অসিদা কল্লবা মিংচৎ চাউরবা, সুরবংশগী সাত্যকিনা মখোয় অনীগী লীরুং অনীহু মতম অমতদা ককথন্তুনা থোরবা তেল মপৈ মপৈনা মখোয় অনীগী মশাক্লু তেন্তনা পুমযোম্ য়োম-শিনহনখ্রে ॥১৬॥ অদুগী তুংদা বিন্দ অনুবিন্দ অনীহু অতোপ্পা লীরুং অনী পায়থন্তুনা সাত্য-কিদা অতৎ অথম্ লৈতনা কাপশিল্লক্লনা অদুগা লালকমদা হংগৎ হন্দা লৈন চৎনদুনা থোই-দোক্ক নীঙথিজখি ॥১৭॥ মতম অসিদা বিন্দ অনুবিন্দ অনীনা কাপলকপা উয়োক মতু য়েন্দুনা তেন্না তেনৈ পাল্লবা, সনা হৎলবা তেল ময়াম্ অদুনা মায়গৈ পুম্বা তঙ্গপ তয়েংনা ঙালহল্ ঙালহল্লন্নগা লৈমায়থক্ক প্রোপ প্রোপ তারক্লই ॥১৮॥ মহারাজ! মখোয়গী তেল অদুতনা লাল্লাও অমদি লালকম্ অদু অমম্বনা পুমকূপ কূপখ্রে। মহারথী অহুম অসি মতম অমতদা অমনা অমগী লীরুংবু ককথৎনখি ॥১৯॥ মহারাজ! অদুগী তুংদা লান্দা লাকঙম কাঙমদবা সাত্যকিনা য়ায়া শাউথিদুনা অতোপ্পা লীরুং অম থুনা য়াঙনা পায়থন্তুনা লীয়ী থুনা হাপতুনা ক্ষুর মচীন শাবা থোরবা তেল অমনা অনুবিন্দগী মকোক অদু ককথৎখি। মহারাজ! কুণ্ডল নাইন্না লৈতেংলবা চাউরবা কোক অদুনা, কামদেবনা ককথিবা শম্বরাসুরগী মকোকক্কুম্না লৈমায় থক্তা তাদুনা লৈখি। মাগী মপা অহুম্ব কেকয় দেশগী লাল্ল পুম্নমক্কী থম্মোয়দা অরাবা অকিবা পীরদুনা লৈমায়থক্তা তুম্লখি ॥২০-২২॥ মনাও অনুবিন্দবু হাৎথিরসিদা শাউরবা বিন্দ অসি অতোপ্পা লীরুং অমা

সমুৎপত্য সাত্যকিং বিদ্ধা স্বর্ণপুঙ্খৈঃ শিলাশিতৈঃ। ননাদ বলবন্নাদং তিষ্ঠ তিষ্ঠেতি চাব্রবীৎ ॥২৪॥
সাত্যকিশ্চ ততস্তূর্ণং কেকয়ানাং মহারথঃ। শরৈরনেকসাহস্রৈর্বাহোরুরসি চার্দয়ৎ ॥২৫॥
স শরৈঃ ক্ষতসর্ব্বাঙ্গঃ, সাত্যকিঃ সত্যবিক্রমঃ। ররাজ সমরে রাজন্! সপুষ্প ইব কিংশুকঃ ॥২৬॥
সাত্যকিঃ সমরে বিদ্ধঃ কৈকেয়েন মহাত্মনা। কৈকেয়ং পঞ্চবিংশত্যা বিব্যাধ প্রহসন্নিব ॥২৭॥
তাবন্যোন্যস্য সমরে সংছিদ্য ধনুষী শুভে। হত্বা চ সারথী তূর্ণং হয়াংশ্চ রথিনাং বরৌ ॥২৮॥
বিরথাবসিযুদ্ধায় সমাজগ্মতুরাহবে। শতচন্দ্রচিতে গৃহ্য চর্মণী সুভুজৌ তথা ॥২৯॥
(যুগ্মকম্)

ব্যরোচেতাং মহারঙ্গে নিস্ত্রিংশবরধারিণৌ। যথা দেবাসুরে যুদ্ধে জম্ভশক্রৌ মহাবলৌ ॥৩০॥
মণ্ডলানি ততস্তৌ তু বিচরন্তৌ মহারণে। অন্যোন্যমভিতস্তূর্ণং সমাজগ্মতুরাহবে।
অন্যোন্যস্য বধে চৈব চক্রতুর্যত্নমুত্তমম্ ॥৩১॥
কৈকেয়স্য দ্বিধা চর্ম্ম ততশ্চিচ্ছেদ সাত্বতঃ। সাত্যকেস্তু তথৈবাসৌ চর্ম্ম চিচ্ছেদ পার্থিবঃ ॥৩২॥

লৌখত্‌না লীরী তংহাপ, হাপ কত্‌না মনম্ মনম্ কাপশিল্লকত্না সাত্যকিগী মথা পুম্বা তেন্না পুময়োম্ য়োম্‌হনখ্রে ॥ ২৩ ॥ অদুদগী অমুক্ য়োথেʼনা মথৌ শঙলবা, সনানা তেন্না তেনৈ পানবা থৌরবা তেল হুমহুনা সাত্যকিগী থবাক্তা কম্ম খাজিন্নগা "ভৈরু! চেনগনু! খাঙ্‌উ!" হায়না হন্ন হন্না লাউরকই ॥২৪॥ অদুদগী অমুক বিন্দনা কৈকয় লান্মীশিং অদুগী মরক্তা লৈনা লৈনা তেল লিশিং লিশিংনা খুজিং ওইনা কাপশিল্লক্‌না সাত্যকিগী মথবাক্ মপান্থোন অমুক তেন্তনা শিংগুপ শানা পুময়োম্ য়োম্‌শিনহনখ্রে ॥২৫॥ মহারাজ! মতম অদুদা বিন্দগী তেন্ন পানবদা সাত্যকিগী হকচাং কায়াৎ পুম্ব ঈহং নাইহং শানা ইথিন থিনবাৎখ্রে। মতম অসিদা সাত্যকি অসি অঙাংবা মপাম্না থম্না শাৎলবা কুয়াউ পাম্বী অমগুম্না লালকম্‌দা থোইনা নীঙ-থিজখি ॥২৬॥ বিন্দগী মশীং লাকঙমক্সবা তেলশিং অসিনা পানবদা সাত্যকি অসি নোক্ নোক্ থৌরবা তেল কুন্দঙানা বিন্দদা কন্না খারক্লে ॥২৭॥ রথী অথোইবা, কন্নবা পাখোম্ মতা কজরবা বিন্দ-সাত্যকি অনী অসি, থুনা য়াওনা অমনা অমগী লীকুং সারথি শগোল লোইনা কক্-থৎনহনা, রথদগী চোংথনহনা, সনাগী থা চাম চাম ময়েক্ থোক্লবা পাকচাউরবা চুংজোর অনী পায়থৎনহনা খাঙগী লাল শোক্লবা হৌরক্লে ॥২৮—২৯॥ মথাঙৈ দেবাসুর [লাই হিংচাবা] গী লান্দা ইন্দ্রগা জম্ভাসুরগা অনীনা লালকমদা থোইনা নীঙথিজখিবগুম্না মথুং মপুক্তা মংলবা কথাকথাও অমমম্ পাইনবা বিন্দ-সাত্যকি অনী অসি থোইদোক্না নীঙথিজখি ॥৩০॥ অদুগী তুংবা খাঙগী লালগী বিধি কায়দনা কোয়না খেন্না চৎনহনা থুনা থুখি ওইনা অমবা অমবু হাৎকে খরহনা হাইনরক্লে ॥৩১॥ অদুক লৈনা সাত্যকিনা বিন্দগী মথুংগী পায়রিবা চুংজোর অদু মতেং অনীথোক্না কককৎখি। অদুগা বিন্দনু সাত্যকিগী চুংজোর অদু অমুক্না কককৎখি অদুগ

চর্ম্ম ছিত্বা তু কৈকেয়স্তারাগণশতৈশ্চিতম্ । চচার মণ্ডলান্যেব গতপ্রত্যাগতানি চ ॥৩৩॥
তং চরন্তং মহারঙ্গে নিস্ত্রিংশবরধারিণম্ । অপহস্তেন চিচ্ছেদ শৈনেয়স্ত্বরয়ান্বিতঃ ॥৩৪॥
সবর্ম্মা কৈকয়ো রাজন্ । দ্বিধা ছিন্নো মহারণে । নিপপাত মহেষ্বাসো বজ্রাহত ইবাচলঃ ॥৩৫॥
তং নিহত্য রণে শূরঃ শৈনেয়ো রথসত্তমঃ । যুধামন্যোরথং তূর্ণমারুরোহ পরন্তপঃ ॥৩৬॥
ততোঽন্যং রথমাস্থায় বিধিবৎ কল্পিতং পুনঃ । কেকয়ানাং মহৎ সৈন্যং ব্যধমৎ সাত্যকিঃ শরৈঃ ॥৩৭॥
সা বধ্যমানা সমরে কেকয়ানাং মহাচমূঃ । তমুৎসৃজ্য রণে শত্রুং প্রদুদ্রাব দিশো দশ ॥৩৮॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
বিন্দানুবিন্দবধে দশমোঽধ্যায়ঃ ॥১০॥ *

— • —

বিন্দনা সাত্যকিগী থরানমিচাক্ চাম থোক্লবা পাকচাউরবা চুন্দোয় অদু কক্ত্না হুন্দং হুন্দা ভুং মাঙ য়েংনা কোয়চৎ চৎলকই ॥৩৩॥ বিন্দনা থাঙপাং অদু হাইগত্তুনা মতৌ অন্দুরা চৎলকলবদা সাত্যকিনা তাঞ্জা য়েংহুনা, কৈনা হাইজিন্নকত্না বিন্দদা কয়া য়ানখি ॥৩৪॥ মহারাজ! মহাধনুর্দ্ধারী ওইরবা অকনবা বিন্দ অসি লাঞ্জাও অদুদা কবচগা লোয়ননা মশা অদু অনীথোক্না কক্খিদুনা বজ্রনা খায়থরবা চীঙচুম্ অমগী মতোঞুম্না লৈমায়থক্তা তাথ্রে ॥৩৫॥ মতৌ অদুনা রথী অথোইবা, য়েক্লবা ওম্বা সাত্যকিনা লান্দা বিন্দবু হাত্তুনা থুনা য়াঙনা যুধামন্যুগী রথদা চোংখৎখি ॥৩৬॥ অদুগী তুংদা নীঙথিনা শেম শারবা রথ অমদা অমুক্ কাখৎখিদুনা সাত্যকিনা কেকয়গী পাকচাউরবা লান্মী মপৈ অদু নৈবা-হাৎপা হৌরকলে ॥৩৭॥ সাত্যকিনা মতৌ অদুনা হাচ্ছিল্লকলবদা কৈকয়গী লান্মী পুম্বা সাত্যকিবু হন্দোক্লমদুনা মায়পৈ মখি কাংনা চেংখি ॥৩৮॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা "বিন্দানুবিন্দবধ" মী তয়াগুবা অধ্যায় লোইরে ॥

— — —

শ্রীমহাভারতম্

একাদশোঽধ্যায়ঃ ।

তরামাথোইশুবা অধ্যায়ঃ

(অশ্বত্থামা ভীমসেন অনীগী লাল)

সঞ্জয় উবাচ ।

শ্রুতকর্ম্মা হতো রাজন্ ! চিত্রসেনং মহীপতিম্ । আজঘ্নে সমরে ক্রুদ্ধঃ পঞ্চাশদ্ভিঃ শিলীমুখৈঃ ।১।
চিত্রসেনস্তু তং রাজন্ । নবভির্নতপর্ব্বভিঃ । শ্রুতকর্ম্মাণমাহত্য সূতং বিব্যাধ পঞ্চভিঃ ।২।
শ্রুতকর্ম্মা ততঃ ক্রুদ্ধশ্চিত্রসেনং চমূমুখে । নারাচেন সুতীক্ষ্ণেন মর্ম্মদেশে সমার্পয়ৎ ।৩।
সোঽতিবিদ্ধো মহারাজ । নারাচেন মহাত্মনা । মূর্চ্ছামভিযযৌ বীরঃ কশ্মলঞ্চ বিবেশ হ ।৪।
এতস্মিন্নন্তরে চৈনং শ্রুতকীর্ত্তির্মহাযশাঃ । নবত্যা জগতীপালং ছাদয়ামাস পত্রিভিঃ ।৫।
প্রতিলভ্য ততঃ সংজ্ঞাং চিত্রসেনো মহারথঃ । ধনুশ্চিচ্ছেদ ভল্লেন তঞ্চ বিব্যাধ সপ্তভিঃ ।৬।
সোঽন্যৎ কার্ম্মুকমাদায় বেগঘ্নং রুক্মভূষিতম্ । চিত্ররূপধরং চক্রে চিত্রসেনং শরোর্ম্মিভিঃ ।৭।
স শরৈশ্চিত্রিতো রাজা চিত্রমাল্যধরো যুবা । অশোভত মহারঙ্গে শ্বাবিচ্ছললতো যথা ।৮।

সঞ্জয়না হায় :—মহারাজ । অসিগী ভুংদা অর্জ্জুনগী মচানিপা শ্রুতকর্ম্মানা থৌরবা তেল কুপ্সঙানা নিংথৌ চিত্রসেনদা কপ্পা থারকই ॥১॥ মহারাজ! চিত্রসেনসু মচীন তুমলবা তেল মাপাম্না শ্রুতকর্ম্মাদা থারগা তেল মঙানা মাগী সারথিদা থাই ॥২॥ অদুদগী শাওরবা শ্রুতকর্ম্মান থৌরবা য়েন্তুম মচীন শাবা তেল অমনা কৌরব লাম্নী মপৈগী মাঙদা লৈরিবা চিত্রসেনগী থজীন্দা থুম্না থাখি ॥৩॥ মহারাজ ! মতম্ অসিদা চিত্রসেন অসি শ্রুতকর্ম্মাগী তেল অদুনা পানবদা থীনা শোকমনখিদুনা রাম্থখি ॥৪॥ তাঙ্গা অসিদা মীংচৎ চাউরবা সহদেবগী মচা শ্রুত-কীর্ত্তিনা অমুক থৌরবা তেল মরিফুতরানা চিত্রসেনগী মশা পুম্বা পুমযোম্ য়োম্শিনহনখ্রে ॥৫॥ ওহাক্ লৈরগা চিত্রসেন অসি জ্ঞান তাবকতুনা তা মচীন শাবা তেল অমনা শ্রুতকর্ম্মাগী লীরুং অদু কক্থৎলগা থৌরবা তেল তরেৎনা অমুক কপ্পা থাজিল্লকই ॥৬॥ অদুদগী শ্রুতকর্ম্মানা য়েরুবগী তেলগী শাফুবু নম্হৎপা ওম্বা, সনা হৎলবা অতোপ্পা লীরুং অম পারখৎতুনা তেল মনম্ মনম্ কাপশিল্লক্‌ৎনা চিত্রসেনগী মশা অদু ওহোক্পা অঙক্পা শক্লোন্ অম পুহনখি ॥৭॥ মশাপুম্বা তেম্না পানখি, মচু মচুগী লৈ পরেং অমসু হায় শিরি । অদুদগী তুখোং খুদিংদা তেম্না চপ্ চপ্ য়ুংনা লৈরি । অদুনা ঈহং নাইহং শাবা চিত্রসেন হায়বা নিংথৌ অসি লালকম্ অদুদা

শ্রুতকর্ম্মাণমথ বৈ নারাচেন স্তনান্তরে । বিভেদ তরসা শূরস্তিষ্ঠ তিষ্ঠেতি চাব্রবীৎ ॥৯॥
শ্রুতকর্ম্মাপি সমরে নারাচেন সমর্পিতঃ । সুস্রাব রুধিরং তত্র গৈরিকাম্বু যথাচলঃ ॥১০॥
ততঃ স রুধিরাক্তাঙ্গো রুধিরেণ কৃতচ্ছবিঃ । ররাজ সমরে বীরঃ সপুষ্প ইব কিংশুকঃ ॥১১॥
শ্রুতকর্ম্মা ততো রাজন্ । শত্রুণা সমভিদ্রুতঃ । শত্রুসংবারণং ক্রুদ্ধো দ্বিধা চিচ্ছেদ কার্ম্মুকম্ ॥১২॥
অথৈনং ছিন্নধন্বানং নারাচানাং শতৈস্ত্রিভিঃ । ছাদয়ন্ সমরে জন্ । বিব্যাধ চ সুপত্রিভিঃ ॥১৩॥
ততোঽপরেণ ভল্লেন তীক্ষ্ণেন নিশিতেন চ । জহার সশিরস্ত্রাণং শিরস্তস্য মহাত্মনঃ ॥১৪॥
তচ্ছিরো ন্যপতদ্ভূমৌ চিত্রসেনস্য দীপ্তিমৎ । যদৃচ্ছয়া যথা চন্দ্রশ্চ্যুতঃ স্বর্গান্মহীতলম্ ॥১৫॥
রাজানং নিহিতং দৃষ্ট্বা তেঽভিসংরব্ধ মারিষ ।। অভ্যদ্রবন্ত বেগেন চিত্রসেনস্য সৈনিকাঃ ॥১৬॥
ততঃ ক্রুদ্ধো মহেষ্বাসস্তৎসৈন্যং প্রাদ্রবচ্ছরৈঃ । অন্তকালে যথা ক্রুদ্ধঃ সর্ব্বভূতানি প্রেতরাট্ ॥১৭॥
তে বধ্যমানাঃ সমরে তব পৌত্রেণ ধন্বিনা । ব্যদ্রবন্ত দিশস্তূর্ণং দাবদগ্ধা ইব দ্বিপাঃ ॥১৮॥
তাংস্তু বিদ্রবতো দৃষ্ট্বা নিরুৎসাহান্ দ্বিষজ্জয়ে । দ্রাবয়ন্নিষুভিস্তীক্ষ্ণৈঃ শ্রুতকর্ম্মা ব্যরোচত ॥১৯॥

অস্থমা হায়রকই— "অকনবা। তাইবংমীনা অসিবনু কিবগুমা ঐখোয় দণ্ডদণ্ডধায় অনীহুমু অহুগা মখোয়গী শামু অনীহুস কিরঘনি। অহুবু ঐখোয়গী ঈবায়বক কবদগী অকনবা নহাকনা ঐখোয়বু অমুক অশিবদগী কনবিয়ে। য়েরুববু হাৎপিয়ে। ।।২৩।। য়েরুবা ওবা, অকনবা! কনবা য়েরুবশিংহুনা নৈয়কপা মতমদা মখোয়না নৈবিবশিং অহুবু নহাক্না অস্থমা কনবিরমগ্রবদি, য়েরুবশিং অসিনা শিখিবদা ঐখোয়না হরাউ নুংঙাইজবা অমুপ য়েরুবশিংসিনস্থ অহুপ নুংঙাইজমমগদবনিদো।" ।।২৪।। মরুপ মপাং খোঙমী লাম্মী পূরমরূ অস্থম হরাউনুংঙাইবগ। লোয়ননা থাগৎলকপখিদা অর্জুনস্থ খোইদোকখি নুংখাইখি। অহুগা মখোয়বুস্থ মোমোন্তোনা থাগৎলজনা সংশপ্তক লাম্মী মপৈনা লৈরিবদোমদা চঙশিনখি ।।২৫।।

মকম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা দণ্ডদণ্ডধারবধ"গী তরাহুমদোইশুবা অধ্যায় লোয়রে ।।

শ্রীমহাভারতম্

চতুর্দ্দশোঽধ্যায়ঃ।

তরামরিশুবা অধ্যায়ঃ

(কর্ণপর্ব্বগী মতুংদা অকনবা লাল)

সঞ্জয় উবাচ।

প্রত্যাগত্য পুনর্জিষ্ণুরবধীৎ সংশপ্তকান্ বহূন্। বক্রানুবক্রগমনাদঙ্গারক ইব গ্রহঃ ॥১॥
পার্থবাণহতা রাজন্ নরাশ্বরথকুঞ্জরাঃ। বিচেলুর্বভ্রমুর্নেদুঃ পেতুর্ম্মম্লুশ্চ ভারত। ॥২॥
ধুর্য্যান্ ধুর্য্যোত্তমান্ সূতান্ ধ্বজাংশ্চাপাসিসায়কান্। পাণীন্ পাণিগতং শস্ত্রং বাহূনপি শিরাংসি চ ॥৩॥
ভল্লৈঃ ক্ষুরৈরর্দ্ধচন্দ্রৈর্বৎসদন্তৈশ্চ পাণ্ডবঃ। চিচ্ছেদামিত্রবীরাণাং সমরে প্রতিযুধ্যতাম্ ॥৪॥
(যুগ্মকম্)
বাশিতার্থে যুযুৎসন্তো বৃষভা বৃষভং যথা। নিপতন্ত্যর্জ্জুনং শূরাঃ শতশোঽথ সহস্রশঃ ॥৫॥

সঞ্জয়না হায়ঃ— মহারাজ । মঙ্গল কৌবা গ্রহনা খোয়না থেঙ্গা চত্না অহুগা থেঙ্গা কোইনা লৈশিল্লকতুনা মরায়বক্ থীরবা মী কয়াগী তৌজবা থবক অপনবা য়েংখারবা পীবক্লগুম্। অর্জ্জুনন্ন য়েক্লবশিংগী মকথদা মঙ্গল গ্রহগী মতৌগুম্। সংশপ্তক লাম্মীশিংবু অমুক নৈথাইবা হৌরুয়ে ॥১॥ ভারতনন্দন। মহারাজ মাহুদা য়েক্লবশিংগী শগোল শায়ু রথী পদাতি (খোঙমী) কয়া কয়া অর্জ্জুনগী তেজা পানবদা অয়াম্বনা তুরোই ভামলোই তৌহনা, কোয়নৈ লৈহনা, চোকথবিহনা অহুগা থহনা মকোক উরুক লৈহনা লৈমায়থক তুথখি ॥২॥ অর্জ্জ,ননা ক্ষুরমচীন শাবা, তামচিন শাবা থামচেৎশাবা, শন্নাওগী মরাওবা খুৎলায় মথল মথম। লানকম্ অহুনা য়েক্লবশিংগী মাঙখাখিবা, মরাক-মরক লৈরিবা, মথৈ ঊথং থংনা লৈরিবা লাম্মীশিংবু অহুগা মখোয়গী সারথি, কিযান লীক্লং, থাংশাং, তেন, মখোং, মখুৎ, মখুত পাইহনা কাপকে তৌবদা খুৎলাই, মপাক্নোম্, মকোকশিং অহুবু কক কত্না থাদখি ॥৩-৪॥ মরায় কাবকা, মচুন্ তাবকা, শন্নাওশিংনা থাচু লাক্লবী শগ্নবী অমম্ মুরবদা অমগমগা মরায় লুক্ল মমীৎ ওনথৎনহনা মচিনমচিনগা তক খেনেংকপা বাইনিরকপহুওয়া অয়ুক্ত সংশপ্তক লাম্মী চাম চাম লিশিং লিশিংনা অর্জ্জুনগী মথক আক্রমণ তৌশিন্নরে ॥৫॥ মুখাইরো মরোল অহুম্গী মপু ওইবা তাম্রবদা ইন্দ্র মথক্তগা দৈত্যদানব লিশিং

ততোঽভূৎ তস্য তদ্যুদ্ধমদ্ভুতং লোমহর্ষণম্। ত্রৈলোক্যবিজয়ে যাদৃগ্দৈত্যানাং সহ বজ্রিণা ॥৬॥
তমবিধ্যদ্বিষাণৈরুগ্রৈঃ ... উত্তরাকুরুবৃত্তস্য শিরঃ কায়াদপাহরৎ ॥৭॥
ততোঽর্জুনং সর্বতঃ ক্রুদ্ধা নানাশস্ত্রৈরবীবৃষন্। মরুদ্ভিঃ প্রেরিতা মেঘা হিমবন্তমিবোষ্ণগে ॥৮॥
অস্ত্রৈরস্ত্রাণি সংবার্য্য বিবভৌ সর্বতোঽর্জুনঃ। সম্যগস্তৈঃ শরৈঃ সর্বান্ সহিতানহনদ্বহূন্ ॥৯॥
ছিন্নত্রিবেণুচক্রাক্ষান্ হতাশ্বান্ ... দিব্যাম্বরতুরীয়ান্ ... ॥১০॥
সংছিন্নরশ্মিযোক্ত্রাক্ষান্ ... বিধ্বস্তসর্বসন্নাহান্ ... ॥১১॥
(যুগ্মকম্)

তে রথাস্তত্র বিধ্বস্তাঃ পরার্দ্ধ্যা ভান্ত্যনেকশঃ। ধনিনামিব বেশ্মানি হতান্যগ্ন্যনিলাম্বুভিঃ ॥১২॥
দ্বিপাঃ সংভিন্নমর্মাণো বজ্রাশনিসমৈঃ শরৈঃ। ... ॥১৩॥
অনেকৈশ্চ শিলাধৌতৈর্বজ্রাশনিবিষোপমৈঃ। শরৈর্নিজঘ্নিবান্ পার্থো মহেন্দ্র ইব দানবান্ ॥১৪॥

মিলিংগা লোক্ষবিদুরুবা অহুগা চুহুংবা প্যোক্লবা লাক্লাও অসি খোকশিবগুবা অর্জুন মখক্তনা সংশপ্তকশিংগা অকিবা চুহুংবা লোক্লবা লাক্লাও অমা খোকখ্রে ॥৬॥ মতম্ অসিদা উত্তরাকুরুগী মচানিপানা মাক্লা চীকল্লবা মহপুরবা মিনগুবা ভেল অহম্ থক হৎচুনা অর্জুনদা থাদকই। মাঙদা অর্জুননা শাওখিদুনা মিকুপ অমগী মনুংদা মহাকী মকক অহু মশাদগী ভোডাক্লা তাহনখি ॥৭॥ বর্ষাগী মতম্দা ভুংশিংনা মপৈ মপৈ হুম্জিল্লবা নোংমতুম্ মপুক্লা হিমালয় চীঙথক চুথরকপহুগুবা সংশপ্তক লান্মীশিংনা অর্জুনগী মথক্তা অচৎ অথম্ লৈভনা খুৎলায়রুনা নোং চুথরগুম হৈথরক্লে ॥৮॥ অদুগী তুংদা অর্জুননা মখোক্লনা কাপলক থারক্লিবা খুৎলায়শিং পুমথিং থিংলগা খোয়র ভেল খোক্লবা খুৎলায় মথন মথক্লা মখোয়গী অমাখবু খুদকা মথ্ৎাই লৌখি ॥৯॥ অদুদগী অর্জুননা মাম্না খুৎলৈ থুনা সংশপ্তক লান্মীশিং অদুগী অমমদগী রথগী মচাংশিং, শগোল সারথিশিং অদুগা সারথি শৈশিল পুম্নমক অচুবু ককথৎচুনা অদুদগী হেন্দোকর্ডুনা মখোয় কনা কনাগুবগীনা মখোক, মখুৎ, তেন্দোং, চাকা, খিরান, শগোলচুপ্পী, রথগী লোপু, চাকাগী মশা, চাকাগী মখোল [যুগা] রথগী অতিংবা অখোয়বা মচাকশিং পুম্নমক অসি শিংগুপশানা কক্থৎচুনা মাঙহনখি ॥১০—১১॥ মতম্ অদুদা সংশপ্তক লান্মীশিংগী রথশিং অহু মৈনা ইশিংনা অমদি নুংশিৎনা মাঙল তাক্লবা তৌরকচুনা মপৈ মপৈ কীয়রকপহুগুবা অর্জুনগী তেন্নুনা চাকথেকচুনা হুমদোকখিরন্না মতেক মতেক তেকখুনা পুকনাইদ মাঙখে ॥১২॥

মতম অদুদা মৈনা নুংশিৎনা অমদি বর্ষাগী মতমগী বজ্রনা তাথকপা হুমকপা অমদি চাক্‌শিন-... চীঙথকী চাউবা চাউরবা যুম মরাখদা লোকখাদা চীঙমারদা থোক্ থোক্ হায়থরকপগুম্ ... অর্জুননা অকোনবা নীংথৌশিংগী শাচুংদ্ থাবা তেল মরাদ্ অহনা পানবদা সংশপ্তক লান্মীশিংগী শামুশিং অহু মখোয় মথিল লীথোক্ লীথোককুনা হাইথনরকলে ॥১৩॥ মতুং অদুদা

নাগোহাশ্বরথাঃ পেতুর্বহবোঽর্জ্জুনতাড়িতাঃ। নিকৃত্তাঃ শিরসো কাপা কুবিরার্দ্রাঃ সুহুর্ঘিঃ ॥১৪॥
শরাবদাগা নারাচৈঃ সংছ্যুতাঃ সব্যসাচিনা। নবমুক্তধনুঃ পেতুর্নের্ব্রুক্ষ বারিব। ॥১৫॥
মহার্হবর্ম্মাভরণা নানারূপাম্বরায়ুধাঃ। শরবাপবিদা বীরা হতাঃ পার্থেন পেরতে ॥১৭॥
নির্জ্জিতাঃ পুণ্যকর্ম্মাণো বিশিষ্টাভিজনশ্রুতাঃ। গতাঃ শরীরৈর্বসুধামুর্জিতৈঃ কর্ম্মভির্দিবম্ ॥১৮॥
অথার্জ্জুনরথং বীরাস্তদীয়াঃ সমভিদ্রবন্। নানাজনপদাধ্যক্ষাঃ সগণা জাতমন্যবঃ ॥১৯॥
উহ্যমানা রথাশ্বৈস্তৈঃ পত্তয়শ্চ জিঘাংসবঃ। সমভ্যধাবন্তো বিবিধং ক্ষিপ্রমায়ুধম্ ॥২০॥
তদায়ুধমহাবর্ষং ক্ষিপ্তং যোধমহাম্বুদৈঃ। ব্যধমন্নিশিতৈর্বাণৈঃ ক্ষিপ্রমর্জ্জুনমারুতঃ ॥২১॥

ইন্দ্রনা দৈত্যশিংবু মাঙন তাকৃবা তৌমকপাহুওয়া অর্জ্জুননা মথৌ শঙলবা, অমথম্বা বমুগা মৈগা অমদি হুগা মাপ্পবা জেলশিংনা সংশপ্তক লাম্মীশিংবু তুম্না মাঙননবা থৌরাং তৌকয়লে ॥১৪॥ অর্জ্জুননা অচুম্বা নৈহৎলকপা মতমসিদা শগোল কম্না কয়াগী মরৈ, শিংলি নাউবী মচৎ মচৎ মশাদগী লীথোরকলি। মশাদগী ঈগী লৌখোং চেহ্বরকলি, মতম অসিদা য়েংবদা অকিবা তুকচবা হক্লোইবা পোকহনবা বিকারদা শগোল লিশিং লিশিংনা মথোয় মথোয়গী মথক তোংওবা লাম্মীশিং অচুগা শাগোন শাগোম্বনা লৈমায়রথক্তা মখীৎ মনা জোয়োং জোয়োং ওনথজ্জনা থম্বো থম্বো ওলি ॥১৫॥ ঈকায় খুম্মনবগী মশক ওইবা মহারাজ। অর্জ্জুনগী য়েংতুম্ মচীনশাখ জেলশিং অচুনা পানবদা শগোল শামু থোঙমীশিং অহু উরুরুক লৈহুনা মচেৎ মচেৎ কীহুনা উকূল রাক্তকূলনা ঈনা পুমতৈ তৈহুনা অম্না অনাগী থোক্লেম্বা লাউথোংল থোংলহুনা লৈমায়থক তুথনরকলে ॥১৬॥ মমল য়াম্নবা মফি মরোল শেৎচায়বা, পুংও-পুংলায় কম্না কয়াবা মশাক ম্লাওয়বা লাম্মীশিং অহু অর্জ্জুনগী তেম্বা পানবদা মাগী মাগী শগোল শামুনচিংবা শাদোংগা লোয়ননা লৈমায়রথক অমুক হৌগৎলয়োইদৌবা মহোপ্তা লৈতানা তুম্লে হীপথক্লে ॥১৭॥ কিদবা মথৌনা লৈবথা পুণ্য চেম্নবা, অচৌবা শাগৈদা পোকপা, লালগী তত্ত্ব শাস্ত্রবু মুম্না থঙলবা ক্ষত্রিয় মচাশিংহুগী মপাবগী হকচাংনা লালকম লৈমায় থক্তা তাদনা লৈহৌখি, অদুবা ঐথোয়গী জীবাত্মানা লিকশরীরদা, মানা মানা তৌরবা কর্ম্মগী মহেহুগী মচুংইরা স্বর্গদা কাখি ॥১৮॥ মতৌ অসি উবদা মহারাজ। মহারাজগী কৌরব পক্ষগী অকনবশিংনা শাউহুনা পূরণ হৌরজ্জনা অর্জ্জুনগী রথ অহু তম্না কুজিন্নকলে ॥১৯॥ রথ তোংবা মখী, শগোল তোংবা শামু তোংবা লাম্মী থোঙমীশিং কাওবা অর্জ্জুনবু হাংলগে হায়হুনা পুংলায় মথক মথক কাপশিন্ন মংশিন মংশিনা অর্জ্জুন তম্না চেলশিন্নকই ॥২০॥ লাম্মীশিং অচুনা লোং চুথকস্ পুংলায় মহাক কাপশিন অশিনুহো শাইশিন্নকপা মতমদুদা চুংশিংথকা মুক্তি নাইবওয়া অর্জ্জুননা মথোয়গু লোইনা রুরেকরূলি মুখোয়কী মখীং লাক্তকনুবা পুংলায়শিং অহু থিংখি ॥২১॥

নাগবাজিরথরবং মহাশব্দৌঘসঙ্কুলম্ । সহসা সন্তিতীর্ষন্তং পার্থং শক্রাত্মজোত্তমা ॥২২॥
অথাব্রবীদ্বাসুদেবঃ পার্থ ! কিং ক্রীড়সেঽনঘ । । সংশপ্তকান্ প্রমথ্যৈনাংস্ততঃ কর্ণবধে ত্বর ॥২৩॥
(যুগ্মকম্)

তথেত্যুক্ত্বার্জুনঃ ক্ষিপ্রং শিষ্টান্ সংশপ্তকাংস্তদা । আক্ষিপ্য শস্ত্রেণ বলাদ্দৈত্যানিন্দ্র ইবাবধীৎ ॥২৪॥
আদদৎ সন্দধন্নেষূন্ দৃষ্টঃ কৈশ্চিদ্রণেঽর্জুনঃ । বিমুঞ্চন্ বা শরান্ শীঘ্রং দৃশ্যন্তে বৈ নরা হতাঃ ॥২৫॥
আশ্চর্য্যমিতি গোবিন্দো ব্রুবন্নশ্বানচোদয়ৎ । হংসাংশুগৌরাস্তে সেনাং হংসাঃ ইবাবিশন্ ॥২৬॥
ততঃ সংগ্রামভূমিং তাং বর্ত্তমানে জনক্ষয়ে । অবেক্ষমাণো গোবিন্দঃ সব্যসাচিনমব্রবীৎ ॥২৭॥
এষ পার্থ ! মহারৌদ্রো বর্ত্ততে ভরত ! ক্ষয়ঃ । পৃথিব্যাং পার্থিবানাং বৈ দুর্য্যোধনকৃতে মহান্ ॥২৮॥

অর্জ্জুননা মাগী খুৎলায়না, খোং ওইনা থাত্থনা,
শগোল শাম্‌ রথী কয়ানা, অচৌ অচৌবা ভাওম্ তাউরবা
লাঞ্জাও ঈপাকপু লানগে হায়না, থম্মোয়মুংদা লেপখরে ।
অসিগুম তাঞ্জাসিদা কৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা অহ্নয়া হায়রকই
পাপ য়াওজবা অকনবা ! সংশপ্তক লাম্মীশিংসিগা
নহাক শান্নহুনা লৈথোকলে, মথোয়সিবু লোইনা হাৎলগা
নংবু হাৎকে য়াশকপা, অকনবা কর্ণবু হাৎনবা তৌ ॥২২—২৩॥
অর্জ্জুননা কৃষ্ণগী য়া অসি তাবদা "করে মাহুমক তৌব তারে" অহ্নয়া হায়গুনা অর্জ্জুননা অয়েখা সংশপ্তক লাম্মীশিং অদুবু, ইন্দ্রনা দৈত্যশিংবু লোইথোকপহুগুয়া মীকুপ্ত তুয়া হাৎখ্রে ॥২৪॥ মতম অসিদা অর্জ্জুননা কয়াগী মতীক খুকাপ থুনা তেল কাপথোয়কপগে হায়বদু, কয়বা মতম্‌দা মথুং ভিংথোয়কতুনা লীক্লংদগী তেল ছৎতুনা তেজা থোংহুনা কাপথোকথরগা অমুক কয়বা মতমদা কাপথোকখিবা য়াসি কনা অমত্তনা তোঞাল তোঞাম্না উবা ংংখিদে । মাহুদা উনখিবা হায়বদু খুদক খুদক লাম্মী মপৈ মপৈ লৈমায়থক্ত ছুথনখিবা অদুতনি ॥২৫॥ সারথি ওইখিবা কৃষ্ণ মশামক্তা "অঙকপনি অর্জ্জুন ! নংগী থিক্তা !" অসি হায় হায়দুনা রথ অদুবু লাল-কৃতী মথায় চনুক তাল্লা পুশিনখি । তৌরবা শগোল মখি অদুনা, তৌরবা কাংঙ মখিনা ঈয়ামদা পাইখখিবগুম্ কৌরব তেকোল ঈপাকয়াম্নদা পাইশিনখি ॥২৬॥ মীনা মথং মথং অহুম্‌হুম্ শিঙ্গিরক্তুনা লাল্লদম্ পুন্দম্ অশিবা হকচাংবা পুমকূপ কুপশিন্নকপহু উবদা কৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা অহ্নয়া হায়-রকই ॥২৭॥ ভরতনন্দন অর্জ্জুন ! অঙকপনি ! দুর্য্যোধন তৌবা অমঙ্গলমক্তা মী শিংশিং শিংশিংনা পুক্তক মথরাই খানবি ॥২৮॥ ভেত্তু অর্জ্জুন ! শিরবা অকনথশিং অসিগী সানা ছৎলবা লীরুং থিজোৎ ঈলেংহে পুবা অদুগা তেজেবাং কয়া কয়াবা পুক্লাই তাইহুনা লৈবি । ননানা তেননা

পশ্য ভারত। চাপানি রুক্মপৃষ্ঠানি ধন্বিনাম্। হতানামপবিদ্ধানি কলাপানিব বর্হিণাম্॥২৯॥
আস্তরণবরৈঃ শুভ্রৈঃ পত্রাংশ্চ সজপর্বণঃ। তৈলধৌতাংশ্চ নারাচান্ নির্মুক্তানিব পন্নগান্॥৩০॥
আকীর্ণাংস্তোমরাংশ্চাপি বিচিত্রান্ হেমভূষিতান্। চর্মাণি চাপবিদ্ধানি রুক্মপৃষ্ঠানি ভারত॥৩১॥
সুবর্ণবিকৃতান্ প্রাসান্ শক্তীঃ কনকভূষিতাঃ। জাম্বূনদময়ৈঃ পট্টৈর্বদ্ধাশ্চ বিপুলা গদাঃ॥৩২॥
জাতরূপময়ীশ্চর্ষ্টীঃ পট্টিশান্ হেমভূষিতান্। দণ্ডৈঃ কনকচিত্রৈশ্চ বিপ্রবিদ্ধান্ পরশ্বধান্॥৩৩॥
পরিঘান্ ভিন্দিপালাংশ্চ ভুশুণ্ডীঃ কণপানপি। অয়স্কুন্তাংশ্চ পতিতান্ মুষলানি গুরূণি চ॥৩৪॥

(যুগ্মকম্)

নানাবিধানি শস্ত্রাণি প্রগৃহ্য জয়গৃদ্ধিনঃ। জীবন্ত ইব দৃশ্যন্তে গতসত্ত্বা তরস্বিনঃ॥৩৫॥
গদাবিমথিতৈর্গাত্রৈর্মুষলৈর্ভিন্নমস্তকান্। গজবাজিরথক্ষুণ্ণান্ পশ্য যোধান্ সহস্রশঃ॥৩৬॥
মনুষ্যগজবাজীনাং শরশক্ত্যৃষ্টিতোমরৈঃ। নিস্ত্রিংশৈঃ পট্টিশৈঃ প্রাসৈর্নখরৈর্লগুডৈরপি॥৩৭॥
শরীরৈর্বহুধা ছিন্নৈঃ শোণিতৌঘপরিপ্লুতৈঃ। গতাসুভিরমিত্রঘ্ন! সংবৃতা রণভূমযঃ॥৩৮॥ (যুগ্মকম্)
বাহুভিশ্চন্দনাদিগ্ধৈঃ সাঙ্গদৈঃ শুভভূষণৈঃ। সতলত্রৈঃ সকেয়ূরৈর্ভাতি ভারত। মেদিনী॥৩৯॥

তেথম্নে পানবা তেল জিশিং লিশিংনা মচু হুয়বা লিল অমমড়্গী মতোঙ্না। তাহুনা লৈরি। খাউনা শৃৎ শৃৎ নাননা তৈরবা মেড়ুখ মচাম শাবা তেল কয়া কয়া, সনা মরীক মরীঙ্গা হৎলবা থাঙ অতেনবা অশাংবা কয়া কয়া, সনা শুপানা মপাক মপাক তৈরবা চুজোয়, সনা হৎপা তা অশাংবা, ছুরতা-খিরতা, সনা মপাক্ মপাক মথোক্তা মেৎলবা গদা, সনাতনা পূমহৈ ওইনা শাবা গদা, থাঙ অপাকপা অশাবগী জাং জাং, সনা না, মথোক পানবা শীংজং, য়োচ্ছুক কাংমনবা, হুকখেল্লনা থাননবা মরীতলা য়োটক্কে পানবা কুম্নায় জাং জাং অশোয়বা অমনা থাংগৎপদা য়ানা খোক্লগদবা য়োংকী পরা পুরমক অসে পুমক্লাই চাইনা। তাথি॥২৯—৩৫॥ জয় ওইলিংবা, জয়গী আশা তৌরবা, অকনবা লায়ৌশিংনা কুম্নায় থাংগৎ থাংগৎলগবা মথক্লাই থাখি। লাকনম্দা হুহুনা লৈরিবা মথোয়নে মথক্লাই হাঙ্গবহু হিংলিব! অমনা ওইনা উবি॥৩৬॥ অদুগা অর্জুন। য়োঙ, গদানা কুবদা মথোঙ মগুৎশিং অসে পুক্পাপ শোগদে, য়োঙ্কুকনা [illegible] থাবদা মকোক মকশিংগুল পূমজোই তোইনা কায়জে। মগোন শাবুশিংগে মথী মথোক তৈনাংগা শরকক্ অমাবা কুমজিন্দুনা লৈরি। অমদী শিশিং থিশিংনা ভুমথুপ হনুপ্সা চুকজন্ শি শিন্না লৈরি॥৩৭॥ য়েরবা ওবা অর্জুন। থাঙ-তা, তেজু, য়োলহৎক সুতক য়োংকী পুখিজং টেজুপনচিংবনা অব কুবদা মগোন শাং তাইখ্রবী শিশিং শিশিংগী মপানা [illegible] [illegible] [illegible] তৈনাখক্ত তাথি॥৩৭-৩৮॥ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হায়বা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লৈরি॥৩৯॥ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

সাদুভির্নিহতৈশ্চাপি কিরাটৈরলঙ্কৃতৈঃ । হরিহরোপবৈশ্চিত্রৈরেভিশ্চ ব্যজিরাম্ ॥৪০॥
বহুভূষণনির্বাণৈঃ শিরোভিশ্চ সকুণ্ডলৈঃ । গন্ধবাজিমুখ্যানাং পাণকুণ্ডলৈরুদৈঃ ॥৪১॥
কবচৈঃ শোণিতাদিগ্ধৈর্দৈশ্বগাত্রশিরোধরৈঃ । ভূর্জাতি ভরতশ্রেষ্ঠ । শাত্রাবিভিরিবাম্বরে ॥৪২॥

(বিশেষকম্)

রথাংশ্চ বহুধা ভগ্নান্ হেমকিঙ্কিণিনঃ ভজান্ । অশ্বাংশ্চ বহুধা শর শোণিতেন পরিপ্লুতান্ ॥৪৩॥
অনুকর্ষানুপাসঙ্গান্ পতাকা বিবিধান্ ধ্বজান্ । যোধানাঞ্চ মহাশঙ্খান্ পাণ্ডুরাংশ্চ প্রকীর্ণকান্ ॥৪৪॥
নিরস্তজিহ্বান্ মাতঙ্গান্ শয়ানান্ পর্ব্বতোপমান্ । বৈজয়ন্তীবিচিত্রাশ্চ হতাংশ্চ গজযোধিনঃ ॥৪৫॥
বারণানাং পরিস্তোমান্ সংযুক্তানেককম্বলান্ । বিপাটিতবিচিত্রাশ্চ রূপচিত্রাঃ কুথাস্তথা ॥৪৬॥
ভিন্নাশ্চ বহুধা ঘণ্টাঃ পতদ্ভিশ্চ্ণিতা গজৈঃ । বৈর্দূর্য্যমণিদণ্ডাংশ্চ পতিতাংশ্চাঙ্কুশান্ ভুবি ॥৪৭॥
অশ্বানাঞ্চ যুগাপীড়ান্ রত্নচিত্রানুরশ্ছদান্ । বিভ্রাঃ সাদিধ্বজাগ্রেষু সুবর্ণবিকৃতাঃ কুথাঃ ॥৪৮॥
বিচিত্রান্ মণিচিত্রাংশ্চ জাতরূপপরিষ্কৃতান্ । অশ্বাস্তরপরিস্তোমান্ রাঙ্কবান্ পতিতান্ ভুবি ॥৪৯॥
চূড়ামণীন্ নরেন্দ্রাণাং বিচিত্রাঃ কনকস্রজঃ । ছত্রাণি তালবৃন্তানি চামরব্যজনানি চ ॥৫০॥ (কুলকম্)

মপাম্বোম্ অমময়া শামু নাতোলগুম্বা, কৈগল মরু, কুণ্ডল মাইন অমদি কোকথক থেংপা মনিগা লোয়নরবা কোক ময়াম্, থাঙ-তা য়োচ্ছুরা য়ানবা কুবদা মণ্ডকশম্, মথা ঈহং নাইহং শায়বা শামু, অমদি শগোল অহুগা কোক য়াওরবা মীগী হকচাং মথোয়সিমক্না মর্ব ভূমি [লালকম্] অসি, হৌজিকত পূর্ণাছাতিগী মৈ মুথংরবা যজ্ঞভূমি অমগী মতোঙ্গুয়া উরি ॥৪০–৪২॥

অর্জ্জুন। অমুক্তু য়েঙু সনাগী থাংশরিক য়াম্রবা রথশিং অসে মঙং তোঙাল তোঙাম কায়রি তেকৃলি। রথচিংলম্বা শগোল্ কয়া কয়া তোঙাল তোঙালবা কীবন্দা ঈনা পুম্লুপ পুম্লুপ লুপ্তুনা তারি। রথগী চাকুলেন, তেন্দোং কিয়াল মচা অচৌবা লাম্নীশিংনা থোংলম্বা চাউর চাউরবা মোইবুং তৌর তৌরবা চামর, মরৈ মনাতোল্ ককৃথরবা চৌং চৌংমুক্ চাউরবা শামু শিরবা শামু তোংবা লাম্নী কয়া কয়া, শামু মথক্কা কুয়া মথল য়ারবা কিয়োল্, শামুগী মথক কৃপলম্বা মালয় হায় কম্বল, কৈ নোংশানচিংবগী মূর্ত্তি য়েক্লবা পাক্ল পাক্লবা কিদা, শামুশিংনা ভুথরকপদা নমুথেকথবা চাউর চাউরবা শগীক্, বৈদূর্য্য-মরক্কা মণিনা থায়বা সনাগী দণ্ড [চৈজুপ্] লৈক্লংদা অংখাই অমা মুক্লবা শামু কাতী; শগোলগী মথাদা হাই হয়রবা য়াম্রবা শনা অহুগী লৈগী শরেং মণিমুক্তানা মুকেৎ কাকেৎ লংলবা লালফুরিৎ, শগোল তোংবা লাম্নীশিংগী কিয়াল মতোন্দা থেংপা মথল য়ায়া য়ায়বা কি মণিমুক্তানা মপাল হৎলবা, লৈবাক্ষত্রা তা তাঙ্গুনা লৈরিবা শামী শঙ্গাইনী মতীল, নিংথৌশিংগী মকুট থেংপা মণি, মঙং অংৎ অংৎকী সনমীক্ কয়া কীয়া, [illegible] চামর-[illegible] কয়া [illegible] লালফু অশিংগা ছত্র হাওনা তা-তা লৈরি ॥৪৩–৫০॥

ছত্রব্যজনকৈশ্চ ধনৈশ্চারুকুণ্ডলৈঃ । কৃতপ্রজ্ঞভিরত্যর্থং বীরাণাং সমলঙ্কৃতৈঃ ॥৫১॥
ধনৈঃ পশ্য সংছন্নাং মহীং শোণিতকর্দ্দমাম্ । সজীবাংশ্চ নরান্ পশ্য কূজমানান্ সমন্ততঃ ॥৫২॥

(সুত্রকম্)

উপাস্যমানাংশ্চ বহূন্ বন্ধুবর্গৈশ্চ ভূপতে । জ্ঞাতিভিশ্চ অলক্রিয়ান্ রোদমানৈর্মুহুর্মুহুঃ ॥৫৩॥
উৎক্রম্যান্যপরান্ যোধাংস্তাদৃশা তরস্বিনঃ । পুনর্যুদ্ধায় গচ্ছন্তি জয়ে লুব্ধাঃ প্রমদ্রবঃ ॥৫৪॥
অপরে তত্র যত্রেব পরিধাবন্তি মানবাঃ । সজিঘ্রন্তাশ্চ তে শূরা দৃষ্ট্বা চৈতান্ বিচেতসঃ ॥৫৫॥
জলং ত্যক্ত্বা প্রধাবন্তি ক্রোশমানাঃ পরস্পরম্ । জলং পীত্বা মৃতান্ পশ্য পিবতোহন্যাংশ্চ ভারত ! ॥৫৬॥
পরিত্যজ্য প্রিয়ানন্যে বান্ধবান্ বন্ধুবৎসলাঃ । বিসংজ্ঞান্ সমরে যোধাংস্তত্র তত্র মহারণে ॥৫৭॥
পশ্যাপরান্ নরশ্রেষ্ঠ ! সন্দষ্টৌষ্ঠপুটান্ পুনঃ । ভ্রূকুটিকুটিলৈর্বক্ত্রৈঃ প্রেক্ষমাণান্ মহারণম্ ॥৫৮॥
এতত্তবৈবানুরূপং কর্ম্মার্জ্জুন ! মহাহবে । দিবি বা দেবরাজস্য ত্বয়া যৎ কৃতমাহবে ॥৫৯॥

য়েংউ, অর্জ্জুন ! খা-থমানমিচাকী মতৌওয়া লংলবা, মণিমুক্তানা শাবা কুণ্ডল নাইরা নাকোং অনীদা হাইছবা মায়খোং পূবা কোক, মকোয় ময়াং কুংনা হৌরবা অকনবশিংগী মণ্ডক মপৈ মপৈনা লালকম্ অসি লোইনা কূপশিনখ্রে। ঔভনা লৈখোম্ থোক্লে। থয় থয়দি হিংলিবা শিংম্ শিকাঃিরবা লাম্মীশিংনা চৈনা খাওবা ওম্‌দহুনা ময়োল লৌকম্ খওদনা লাউথোংহুনা লৈরি ॥৫১—৫২॥ অকনবা ! অমুক্ম য়েংউ ! অকনবা লাম্মী কয়া কমানা খুৎলায়না থীনা শোক্তনা শিংম্ নাওমদনা থয়ো মায়ো ওম্নুনা খাওলি। মরূপ মপাং শাগৈ-নাইত্তে থোকপশিংনা কপ-কপ মকোক্তা ঔশিং থীকৃপি থীকপিহুনা লাইকয়বা য়াওরি ॥৫৩॥ জয় ওইথিনি হায়না কয়া আশা তৌরিবা অকনবশিংনা মনাক্তা তাহুনা মরূপ মপাং শাগৈ নাইত্তেশিংগী অশিবা মশাশি কিনা কূপশিন্নুনা থরি। অহুদগী অশাউবনা মাঙওইননা, মথুত্তা খুৎলায় পায়থত্তনা লানহুংদা অমুক্ চেন্‌শিন্‌খ্রি ॥৫৪॥ লানহুংদা চেন্‌শিনবৃপদা কনা কনাওম্বনা ভুহুনা শিহুনা লৈরম্বা অহুগা শিরূম নাক্রম্ তৌহুনা তাহুনা লৈরম্ব। মরূপ-মপাং শাগৈ নাইত্তেবু উহুনা অমুক্ মখোয়দা মমায় ওনশিল্লকলি ॥৫৫॥ ভরতনন্দন অর্জ্জুন ! কনা কনাওম্বনা অশিবা মশা মচাবু, মচীম্মনাওবু, মরূপপু হুয়া য়েংজহুনমা লাউথোংহুনা লাল্লক হোৎচিনখ্রি। কনা কনাওম্বনা ঔশিং কংহুনা শিরি, কনা কনাওম্বনা ঔশিং থকৃলম্মগা শিরি, অহুগা কনা কনাওম্বনা ঔশিং থক্ থকৃহুনা অরাবা চৈনা ভুক্ ভুক্ খাওনরি ॥৫৬॥ মরূপ নীওবা, তৌবিমল থওবা কনা কনাওম্বনা মখোয়গী ভুহুনা লৈরিবা লাম্মীশিংবু ওহাক লাইকয়থবি, ভুংশিনা কোয়শি ॥৫৭॥ নিপা অথোইবা ! অর্জ্জুন ! অকুকম্ম য়েংউ ! লালবন ময়াদা লেপ লেপ্পনা লাকচৈদা হায়হুনা ময়া ক্রক্ ক্রক্ চীকহুনা শাম্বুন্ শূকোকহুনা লাল অসি য়েংলি ॥৫৮॥ "অর্জ্জুন ! মহো ওদি লাক্লাও অসিদা তৌবদলে

সঞ্জয় উবাচ।

এবং তাং দর্শয়ন্ কৃষ্ণো যুদ্ধভূমিং কিরীটিনে। গচ্ছন্নেবাশৃণোচ্ছব্দং দুর্য্যোধনবলে মহৎ ॥৬০॥
শঙ্খদুন্দুভিনির্ঘোষং ভেরীপণবনিস্বনম্। রথাশ্বনরনাগানাং পাদশব্দাংশ্চ দারুণান্ ॥৬১॥
(যুগ্মকম্)

প্রবিশ্য তদ্বলং কৃষ্ণস্তুরগৈর্বাতবেগিভিঃ পাণ্ড্যেনাভ্যর্দ্দিতং সৈন্যং ত্বদীয়ং বীক্ষ্য বিস্মিতঃ ॥৬২॥
স হি নানাবিধৈর্ব্বাণৈরিষ্বস্ত্রপ্রবরো যুধি অহনদ্দ্বিষতাং পূগান্, গতাসূনন্তকো যথা ॥৬৩॥
গজবাজিমনুষ্যাণাং শরীরাণি শিতৈঃ শরৈঃ। ভিত্ত্বা প্রহরতাং শ্রেষ্ঠো বিদেহাসূনপাতয়ৎ ॥৬৪॥
শত্রুপ্রবীরৈরস্তাণি নানা শস্ত্রাণি সায়কৈঃ। ছিত্ত্বা তানবধীচ্ছত্রূন্ পাণ্ড্যঃ শক্র ইবাসুরান্ ॥৬৫॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
সঙ্কুলযুদ্ধে চতুর্দ্দশোঽধ্যায়ঃ ॥১৪॥ *

—:০:—

দেবরাজ ইন্দ্রনা তম্বিখিবহুগী মতীক্ মপা চপ চাদে ॥৫৯॥ সঞ্জয়না হায়:—মহারাজ! মতৌ অসুম। কৃষ্ণনা মথ মথক্ত অর্জ্জুনদা লানকম্ দৃশ্ত অহ য়েংহন য়েংহন্দুনা অসুমসুম্ চঙশিন্নকুপা মতমসিদা দুর্য্যোধনগী লাম্মী তেজোল্ মপৈদোম্নদগী মায়া লাউ খাংবগী পুংশেম্নচিংবা যত্র মরাম্ রৈবগী পুং মথায় পাকপা, পুংজাও, পুং অচেম্বা অাং অাংকী, পেরেশিঙ্গা মোইবুংনচিংবা খোংবগী শগোল শামুশিংগী খেক্ত লাউখোংবগী চাকা লৈপাকা তক্ৰবগী, খোঙমী লাম্মী মরায়া লাউনরকপগী মখোল অহু থওবা তারকই ॥৬০-৬১॥ মুংশিংকী মথাঙ থাবা শগোলাশং অহুগী মঙমা মথ অহুবু লাম্মী মরক্তা খৌজিনখিবদা কৃষ্ণনা করি উবগে হায়বদু কৌরব লাম্মীশিংবু পাণ্ড্যগী লাম্মীশিংনা মায়া শাথিনা লৈরি। মাহু উবদা কৃষ্ণ অসি পূমক্ক্ তক্থে ॥৬২॥ যমরাজনা শিনগদৌবা মীশিংবু লৌশিনবা অহুঙমা তেন্না মন্ন ওইনা খুৎলায় ওইবা পাণ্ড্য নিংথৌনা য়েক্কবা লাম্মীশিংবু লৈয়কলি ॥৬৩॥ অকনবগী অখোইবা পাণ্ড্য নিংথৌনা মাগী থোর থোরবা তেন্না শগোল শাম্ন খোঙমী লাম্মী মপৈ মপৈ লৈমাইথক্ত তুহন্নকলি ॥৬৪॥ য়েক্কবা কাংবুগী লাম্মীশিংনা কাপলকপা লাংকপা খুৎলায়মথৈ পাণ্ড্য নিংথৌনা কক্ ককতুনা থাদরগা ইন্দ্রনা দৈত্যদানব মরাম্ হাত্তিল-লকপগুম্ য়েক্কবগী লাম্মী মরাম্ হাত্তিন্নকলে ॥৬৫॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতকী শ্লোক লিশিং চাদনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা সঙ্কুলযুদ্ধকী তরামরিত্তবা অধ্যায় লোইরে ॥

শ্রীমহাভারতম্

পঞ্চদশোঽধ্যায়ঃ।

তরামঙাশুবা অধ্যায়

(পাণ্ড্যনিংথৌ হাৎপগী মতাং)

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ।

প্রোক্তস্ত্বয়া পূর্ব্বমেব প্রবীরো লোকবিশ্রুতঃ। ন ত্বস্য কর্ম্ম সংগ্রামে ত্বয়া সঞ্জয়! কীর্ত্তিতম্ ॥১॥

তস্য বিস্তরশো ব্রূহি প্রবীরস্যাদ্য বিক্রমম্। শিক্ষাং প্রভাবং বীর্য্যঞ্চ প্রমাণং দর্পমেব চ ॥২॥

সঞ্জয় উবাচ।

ভীষ্মদ্রোণকৃপদ্রৌণি-কর্ণার্জ্জুনজনার্দ্দনান্। সমাপ্তবিদ্যান্ ধনুষি শ্রেষ্ঠান্ যান্ মন্যসে রথান্ ॥৩॥

যো ব্যাক্ষিপতি বীর্য্যেণ সর্ব্বানেতান্ মহারথান্। ন মেনে চাত্মনা তুল্যং কঞ্চিদেব নরেশ্বরম্ ॥৪॥

তুল্যতাং দ্রোণভীষ্মাভ্যামাত্মনো যো ন মৃষ্যতে। বাসুদেবার্জ্জুনাভ্যাঞ্চ ন্যূনতাং নৈচ্ছতাত্মনি ॥৫॥

স পাণ্ড্যো নৃপতিশ্রেষ্ঠঃ সর্ব্বশস্ত্রভৃতাং বরঃ। কর্ণস্যানীকমবধীৎ পরিভূত ইবান্তকঃ ॥৬॥

(কলাপকম্)

ধৃতরাষ্ট্রনা হায়ঃ—সঞ্জয়! নহাক্না অমুক্তং কল্লবা পাণ্ড্যরাজাগী রা খম্ব থমাইডনা পনখ্রে। অদুগা মতীক মঙাল মখোয়নাগী যারীদি থক লৈখি। অদুনা মাগী মরমদা শেংনা অমুক্তা লীয়ু ॥১॥ অদুনা হন্থকমুক্তি অকনবা অখোইবত্তুগী মতীক মঙাল, মশাক্তল মখোয়না কদায় কাওবা লৈবা হায়বদু যাম্না পীখক্কু ॥২॥ সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ! লানগী বিদ্যা পুম্না লোইনশিনবা তেংনা লৈরবা ভীষ্ম, দ্রোণ, কৃপ, অশ্বত্থামা, কর্ণ, অর্জ্জুন অমদি কৃষ্ণদু মহারাজনা অকনবা মহারথীশিংনি হায়বিনি। অদুগা হায়রিব শিংসিদুদি পাণ্ড্যরাজা হায়রিবশিংবা নাপী ওইদো উই। মশাগী অদি কনাগী মতীক লাগন কৌবগে হায়বদু পৃথিবীগী মপুংদা লৈবিবা অকনবা নিংথৌ অমত্তা মহাক্না উশিংপা হায়বা লৈতে। কনাগুম্বনা মহাক্তু ভীষ্ম-দ্রোণগুম্বি হায়বা অমুক্তৈবনুদি মাংদা মাংনা খাঙজনা লৈবা ওইদে। অদি হায়রগদি, মহাক্না কৃষ্ণা অমসুং অর্জ্জুন, অনী-অকগীদ শনুম্ নামত হয়দে হায়না খল্লি। অদিগুম্বা, ইন্দ্রাক লৈরাক মতমগী শুরবা, মহাক্তুদা কৈরাক কল্লবা পাণ্ড্যনিংথৌসিনা, যমরাজা থোক্নবা অমাগুম্না কৌরবশিংগী সৈন্যশিংবু নৈহল্লে ॥৩—৬॥

চতুর্দিক্ষিদংষ্ট্রং পাণ্ডিব্যক্তভুজম্। ভুজগচক্রমুখাত্তং পাণ্ডবান্তকং বলম্ ॥৭॥
নাগবৃন্দৈর্বলবতাং হিমবিদ্ধাং খড়বিপাম্। সমাপতিতঃ শরৈঃ পাণ্ডৌ বাসুদেবমবিশাকিশং ॥৮
মিরাণ বিলাযোধাম্ বিশাভাকাতুলবতাং। সপাদকাম্বস্বারেণাতীনিমাঞ্চিতা ॥৯॥
কালিঙ্গানপুলিন্দাবারোহান্ ইত্যাদি। পুলিন্দখসবাহ্লীকনিষাদান্ধককুন্তলান্ ॥১০॥
দাক্ষিণাত্যাংশ্চ ভোজাংশ্চ শূরান্ সংগ্রামকর্কশান্, বিলক্ষকষ্টান্ বাণৈঃ কৃত্বা চৈবাকরোত্তদৃন্ ॥১১

(যুগ্মকম্)

চতুরঙ্গং বলং বাণৈর্নিঘ্নন্তং পাণ্ডবাহবে। দৃষ্ট্বা রৌদ্রকিসলাভকমহাত্তভোষজ্যাৎ ॥১২॥
আভাষ্য চৈনং মধুরমতীব ভবতীবৎ। প্রাহ প্রহরতাং শ্রেষ্ঠঃ স্মিতপূর্ব্বং সমাজহৎ ॥১৩॥
রাজন্, । কমলপত্রাক্ষ । বিশিষ্টাভিজনকাস্ত।। ধনুঃসংহননপ্রখ্য! প্রখ্যাতবলপৌরুষ! ॥১৪॥
যুধিষ্ঠিরাহুদিতাস্ক ব্যাকতাভাং মহাভুঃ। যোজ্জাং বিক্রামরণং তাপি মহাকালনবদ্ভুতম্ ॥১৫॥

(যুগ্মকম্)

কৌরব ভেজোনগী মতুংদ' মরার কারবা বল্লবা শামু কয়া কয়া, শগোল রথ কয়া কয়া অদুগ অকন অকনবা থোঙমী লাম্মী কয়া কয়াদু মরাওরিবনি অদুবু পাণ্ডবাজানা মাগী খুৎলাইনা হেক থাবদা মখোয়শিং অসি চকু শাবগী চক্রগুম্মা উক্কক হেক্ত মরে ॥৭॥ অচৌবা দুংশিৎকি ইপোয়া নোং মরামবু হমদোকপল্লগুম্মা পাণ্ডবাজানা ক মকপা ভেলশিং অচনা শগোল শামু রথ কয়া কয়াবু লাপ্পা চেম্হোক্ পাইখোকহনথি ॥৮॥ ইন্দ্রনা মাগী বজ্রনা চীঙজাও থুগাইবগুম্ পাণ্ডবাজানা হেন্তনা খোংলোয় ভাক্শেনবশিংগা লোয়ননা শগোল লায়থিপা লোয়ননা রথী কয়া কয়াবু অভোংবা লাম্মীঅমদি কিরাতচিংবগা লোয়ননা শামু মপৈ মপৈদু লাপ লাপ্পা চেম্হোকহনথি ॥৯॥ পাণ্ডবাজানা মাগী তেত্তনা থাং-তা-শিংজং-তেন্দোংগা লোয়ননবা শগোল তোংবা লাম্মীশিংবু, শগোলশিংদুবুন্দ অদুগা পুলিন্দ, খস, বাহলীক, নিষাদ, অন্ধকশিংবু অদুগা কুন্তল দেশকী, দক্ষিণাত্যগী অমদি ভোজ লৈপাকী অকনবা লাম্মীশিংবু লানফুমিৎনচিংবা কম্মিমত মাওহন্দনা খুদক খুদক্তা মথথাই লৌখা হৌরক্লে ॥১০—১১॥ পাণ্ডবাজানা মতৌ অময়া লানকম অদুদা কৌরবপক্ষকী শগোল তোংবা, শামুতোংবা, রথতোংবা, খোংমী লাম্মী মথল মরি অসিবু অদুম হাচ্ছিলকপসি অথথাবানা উইদুনা পুক্কিং তপথনা মায়া তপথনা পাণ্ডবাজগোমদা প্রপ্রপ চেনশিনথি ॥১২॥ অকনবকী অখোইবা, কিশলবা, অথথামানা মীতথিবা বাহৈনা পাণ্ডবাজাবু কৌরবগা মোমোন নোকপা মীনোক্তা লোয়নবা অময়া মতোম্বা হংলকই ॥১৩॥ নিংথৌ। অকনবা। থবাংলমীতাভাবা। অচৌবা শক্তিকা লোকপা। শাম্না অমা লৈবা। মশানা ধনুর্বেদ্ ভাঁবা কমবা। নতীকু মথৌনাদা অগৎ কাঁকলবা। নহাক্না রাইবা মীতং অদ্র শারাদুবা মীগী তিংবদি লোংথাংগা লোয়নবা যুদ্ধা

শরবর্ষৈর্মহাবেগৈরমিত্রানভিবর্ষতঃ । ধ্বজং সানুপতাকানি প্রতিবীরং তথাহবে ॥১৬॥
রথদ্বিরদপত্ত্যশ্বানেকঃ প্রহরতে মহান্ । যুগপৎবাণিবারণো বিভীষীতমনো হরিঃ ॥১৭॥
মহতা রথঘোষেণ দিশঃ ভুমিঞ্চ নাদয়ন্ । বর্ষান্তে শরদঃ মেঘো জ্যানি হ্লাদীব পার্থিব । ॥১৮॥
সংস্পৃশান্ শরৈঃ পুণৌ তূণী চাপী বিবোপমৈঃ । শরৈরেকেন সুধায় জ্যাবক্ষেপাহস্রো যথা ॥১৯॥
এবমুক্তস্তথেত্যুক্ত্বা প্রহরেতি চ তাড়িতঃ । কর্ণিনা দ্রোণতনয়ং বিব্যাধ মলয়ধ্বজঃ ॥২০॥
মর্ম্মচ্ছেদিভিরত্যুগ্রৈর্বাণৈরগ্নিশিখোপমৈঃ । মর্ম্মস্থ্যাহনদ্দ্রৌণিঃ পাণ্ড্যমাচার্য্যনন্দনঃ ॥২১॥
ততোঽপরান্ নবাংস্তূর্ণং নারাচান্ কঙ্কবাসসঃ । গত্যা দশম্যা সংযুক্তানশ্বত্থামাঽভ্যবাসৃজৎ ॥২২॥
তান্ শরান্ ছিন্নবৎ পাণ্ড্যো নবভির্নিশিতৈঃ শরৈঃ । চতুর্ভির্ম্মর্দ্দয়চ্চাশ্বানাশু তে ব্যসবোঽভবন্ ॥২৩॥
অথ দ্রোণসুতস্তেষুংস্তাংশ্ছিত্বা নিশিতৈঃ শরৈঃ । ধনুর্জ্যাং বিততাং পাণ্ড্যশ্চিচ্ছেদাদিত্যতেজসঃ ॥২৪॥

নোংঙ্গমীদা। অচুবু লংগী কল্লবা খুচুম অচুনা লীকংবু কম চেৎনা পাইশিনবচুদা নিংথৌ নহাক্কী খুদোনশিং অদো য়াম্না রানা উয়ে। ॥১৪—১৫॥ নিংথৌ নহাক্কা মেরুবগী মথক্ত অতং অথম লৈতনা তেক্তনা নোং চুবগুম্ হৈথরি। অচুনা নিংথৌ। কৌরব পক্কদা ঐ নত্তনা কনাগুম্বা অমা নমাংদা লেপ্পীনিংঙাই লৈত্রে। কনা অমত্ত লংগী নমাঙদা লেপ্ল ওয়্গনি হায়বা উদে ॥১৬॥ গুল্লবা বনগী মপুংদা কল্লবা নোংপানা, অকি অথং লৈতনা, মনীঙ তম্না, শক্তি শঙাইশিং হাৎপগুম্ নহাক নথক্তনা শগোল শাম্নু রথী কয়া কয়াবু খুদক্ত মপৈ মপৈ হাৎপিরি ॥১৭॥ নিংথৌ। নহাক্কা রথগী মখোক্তনা লৈথক্ লৈখা অনীমক্ পুম্নমিন নিন্‌হন্দুনা শরৎ ঋতুগী য়াম্না ঙংবা মৈহে ময়োং মাংহনবা নোংঙ্গা লানকম্ অসিদা থোইনা নিংখিজরি ॥১৮॥ অচুনা ময়াঙৈদা অন্ধকাসুরগা মহাদেবগা থেংনবিবক্তগুম্না, নিংথৌনহাক্কা চুহৈতনবা তেম্নথল্লবা তেম্জোং অনীঅচু পোথক্‌না মাচুদগী অতংঅথম লৈতনা তেলহৎহত্‌না অশ্বথামা ঐগা অমুক্ত থেংনবিয়ু ॥১৯॥ অশ্বথামানা অসুম্না লাউরক্লবদা পাণ্ড্য-রাজানা "কৈ, মাচুমক্তি"। অসুম হায়রক্লগা অশ্বথামাবোমদা হেক ওনশিন্নকপচুদা অশ্বথামানা মাগী চাংয়েংগে হায়রতুনা থৌরবা তেল অমা কাপশিন্নকই। মতম অচুদা মলয়ধ্বজ কৌবা পাণ্ড্যদেশগী নিংথৌ অসিনা য়োৎকী থৌরবা তেল অমনা মাচুবু কক্‌থৎখি ॥২০॥ মতম অচুদা দ্রোণাচার্য্যগী মচা অশ্বথামানা মৈগী মৈরিগা মান্নবা অকিবগী মথক কংলবা তেল থরনা পাণ্ড্যরাজগী থবিন্দা কয় থাজিনখি ॥২১॥ অচুদগী অমুক উরোক মতুনা তেয়া পান্নবা মাঙলবা, থৌরবা, য়েরুবু মচীনশাবা তেল মাপল অম অমুক পাণ্ড্য দেশকী নিংথৌ মলয়ধ্বজদা কাপলকৃখি ॥২২॥ মতম্ অচুদা পাণ্ড্যরাজানা থৌরবা তেল মাপল অর্থথামাগী তেল্‌শিং অচুবু কক্কৎলগা, তেল মখিনা অশ্বথামাগী শগোল মরি অচুদা কয়া থাখি। মতম অচুনা অশ্বথামাগী শগোল মরি অচুবু লৈমান্নথক্ত তুখি ॥২৩॥ অচুদগী অমুক, পাণ্ড্যরাজানা থৌরবা তেল মপৈখনা তুমিংকী মখৌঙবু

দিব্যং বহুরথাধিষ্ঠং কৃত্বা দ্রৌণিরমিত্রহা। প্রেক্ষ্য চাপ্ত রথে যুক্তান্ নবৈরক্তান্ হয়োত্তমান্ ॥২৫॥
ততঃ শরসহস্রাণি প্রেরয়ামাস বৈ দ্বিজঃ। ইষুসংবাধমাকাশমকরোদ্দিশ এব চ ॥২৬॥ (কলাপকম্)
ততস্তানস্ততঃ সর্বান্ দ্রৌণের্বাণান্ মহাত্মনঃ। আবালোঽপ্যক্ষয়ান্ পাণ্ড্যোঽপাতয়ৎ পুরুষর্ষভঃ ॥২৭॥
প্রযুক্তাংস্তান্ প্রযত্নেন ছিত্বা দ্রৌণেরিব নরিঃ। চক্ররক্ষৌ রথে তস্য প্রাণুদন্নিশিতৈঃ শরৈঃ ॥২৮॥
অথাস্যেন্নাঘবং দৃষ্ট্বা মণ্ডলীকৃতকার্মুকঃ। প্রাস্যদ্দ্রোণসুতো বাণান্ বৃষ্টিং পুষারযো যথা ॥২৯॥
অষ্টাবষ্টগবাস্যাহঃ শকটানি যদাবুহন্। অহ্নস্তদষ্টভাগেন দ্রৌণিশ্চিক্ষেপ মারিষ। ॥৩০॥
তমন্তকমিব ক্রুদ্ধমন্তকস্যান্তকোপমম্। যে যে দদৃশিরে তত্র বিসংজ্ঞাঃ প্রায়শোঽভবন্ ॥৩১॥
আচার্য্যপুত্রস্তাং সেনাং বাণবৃষ্ট্যা ব্যবীবৃধৎ। পর্জন্য ইব বর্ষান্তে বৃষ্ট্যা সাদ্রিদ্রুমাং মহীম্ ॥৩২॥
দ্রৌণিপর্জন্যমুক্তাং তাং বাণবৃষ্টিং সুদুঃসহাম্। বায়ব্যাস্ত্রেণ সংক্ষিপ্য মুদা পাণ্ড্যানিলোঽনদৎ ॥৩৩॥
তস্য নানদতঃ কেতুং চন্দনাগুরুরুষিতম্। মলয়প্রতিমং দ্রৌণিশ্ছিত্বাশ্বাংশ্চতুরোঽহনৎ ॥৩৪॥

তেজ লৈরবা অশ্বথামাগী পাইশিন্নকলিব তেলশিংচুবু লোইনা ককৃথৎলগা লীরিবুম্ভু থুদক ককৃথৎখি ॥২৪॥ অদুগী তুংদা য়েরুবা হাংওবা, ব্রাহ্মণ অথোইবা অশ্বথামানা অতোপ্পা লীগী অম লীরুং অদুদা থক হাপ্তুনা অদুগা অতোপ্পা শগোল মরিথক পুশিন্নতুনা মাগী রথদা কনাওবা থরুনা পানশিন্নবদু উহুনা, তেল লিশিং লিশিং কাপথোক্তুনা নোংমদোন মকোয় অসি তেম্না পূম্নমক কুপশিনহনখ্রে ॥২৫-২৬॥ অদুগী তুংদা মথুং থুরব মহাত্মা ওইরবা অশ্বথামাগী তেল্শিং অদু অমাঙঅতা লৈতবদি ওই হায়রবু নিপা অথোইবা পাণ্ড্যরাজানা মাদু পুম্নমক অদু লোইনা ককথৎখ্রে ॥২৭॥ পাণ্ড্যরাজনা মতৌ অম্না য়ায় চেকশিন্না অশ্বথামাগী তেল ময়াম অদুবু ককৃথৎলগা থৌরবা তেল্ থরনা রথগী চাকাবু ঙাকশেল্লিবা খোঙমী অনীবু থাত্নুনা হাংখ্রে ॥২৮॥ অদুদগীদি অশ্বথামানা পাণ্ড্যরাজাগী মথুং য়াম্না শিংবা থুবচুউবদা লীরুং অদুবু উরুক লৈদুনা মায়বৈ মরি ওন্দুনা অমুক অমুক্ত তেল লিশিং লিশিংনা নোংচুথবগুম্ পাণ্ড্যরাজাগী মথক্তা হৈথরকলে ॥২৯॥ ইকায় খুম্নবগী মশক ওইরবা মহারাজ। চাউরবা শঙ্গাও নিপাল্লচিংবা রথ (গাড়ী) নিপান্ন পূবাহোনবা [illegible] পুংলায় অদুপ অশ্বথামানা পূংথরিগী মনুংদা লোয়না কাপখি ॥৩০॥ শাউবনা মৈ হৌরবা, শাউরবা য়মরাজ মকীম্ন যমরাজগী মূর্ত্তি পুম্নবা অশ্বথামাগী মশক উবদা অউবামীপুম্বা কিবনা [illegible] কানখিম্নে ॥৩১॥ ওলাংথানা লোইশ্নবদা নোংমতুম্ মতুম্না চীঙমান্ হৈপাল লৈপায় থম্নবা পুরুমীম্ন পুমম্নোং কোৎহনরম্নওম্না অশ্বথামানা তেন্তগী নোং চুথহল্লতুনা পাণ্ড্যরাজাগী পাক্চাউরবা [illegible] মপৈ অদুমা তেন্তনা পূম্নকূপ কূপহনখ্রে ॥৩২॥ মতম্ অদুদা পুংশিংথকী মতৌঙম্না শাকু [illegible] পাণ্ড্যরাজানা বায়ব্যাস্ত্র (পুংশিংথকী তেল) না অশ্বথামাগী তেলগী লাং অদুবু পাইথোকুহনখগা [illegible] ॥৩৩॥ [illegible]

সূতপুত্রেণ হত্বা মহাবলপরিবদ্ধন্ । বহুশিরার্দ্দরক্তের [illegible] [illegible]
ষটৈৰব্ৰতাপি সংবার্য্য ছিত্বা সর্বাস্তুধানি চ । পাণ্ডবপাহিতং দ্রৌণির্ব [illegible] [illegible]
এতস্মিন্নন্তরে কর্ণো পৃষাসীকদূণাস্ত্রবৎ । [illegible] স তদা [illegible] [illegible]
বিবধান্ রবিনন্দনক্কে [illegible] তাবত ।। গদান্ [illegible] [illegible] ॥৩৮॥
অথ দ্রৌণির্বিহেৰ্বাণঃ পাণ্ডবং পাণ্ডনির্ভৰ্ৎন্ । বিরথং [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নরী ।
[illegible] [illegible] কৃত্বা [illegible] ॥৪০॥
[illegible] [illegible] বিশোভনং [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] ॥৪১॥

মতম্‌ মতদা অশ্বথামানা মহাকী অগ্নকচন্দন পীক্রবা, যাপরচৌঙবা রাংচাউরবা ফিরাল অহ্ ককথৎখি। অহুদগী মহাকী শগোল মখিত্নবু অশ্বথামানা হাৎপ্রে ॥৩৪॥ অহুদগী অশ্বথামানা খৌরবা তেল অমতনা পাণ্ডবরাজাগী সাযবি অহ্ মবরাই লৈরগ। থাবচেৎ শাবা তেল্ অমমা মোংখোংবগী মতৌতম্ তালবা মখোল খোক্রবা পাণ্ডবরাজাগী লীকং অহ্ লোইখিং কপায় মথায়মুক চাউনা ককনা থাদৈ ॥৩৫॥ অহুদগী অশ্বথামানা পাণ্ডবরাজানা কাপলকপিবা তেল মথৈগী হেত্নিলহন্দনা থিংহনা থমগা, অতুগা মহাকী মথদা থম্‌পিবা খুৎলায়শিং অহুবুম লোইনা ককথৎলগা, যেক্লবহ্ থাগী মখুথাক তারবমু থর চোম্‌হনা লালগী যুদ্ধে অসুক তৌনীগ্নুনা অশ্বথামানা পাণ্ডবরাজাবু হাত্নি ॥৩৬॥ মতম্‌ শিমতদা কর্ণ অসি পাণ্ডবপক্কী শাস্নুগী লাগী মচৈ খেন্নুনা লৈমিবদোমদা হেক চেলশিন্নকই। অহুদগী মহক্না পাণ্ডবকী পাকচাণ্ডবা লাগী মচৈ অহুবু লৈবা হৌরকলে ॥৩৭॥ ভরতনন্দন, মহারাজ! কর্ণনা মীকুপ অমগী মনুংদা পাণ্ডবপক্কী রথীশিংবু রথ রাণ্ডহনবিদে, শগোল শাস্নুশিংবু মখোয় মখোয়গী মথকতা তোংবা লাগী রাণ্ডহনবা ওইহনখি ॥ অহুদগী কর্ণনা থৌর খৌবা তেন্না শাস্নু মচৈ অহুবু তাম্ন তাম্ন হাৎপা হৌরকলে ॥৩৮॥ অহুদা মহাধনুর্দ্ধারী অশ্বথামাদি যেক্লবা হাৎতম রথী অথোইবা পাণ্ডবরাজাবু থবরাওক্রিকাওবদা লাখেৎখবা পেস্নলনা হৌজিক কাণ্ডবা হাত্নি ॥৩৯॥ অমরোমদা, রাংচাউরবা শাস্নু অমগী থাগী মথক [illegible] লাগী অহ্ হাৎখ্রে। অহুদগী মউৎ (মাহুত) অহুম হাৎখিবহনা শাস্নু অত মথত অমা অসুক [illegible] চেক্নোমকই, অহুদগী শাস্নু অসিনা থাগী মথায়বা শাস্নু থম তম প্রপ্রাণ চেন্‌শিনকই। মতম [illegible] শাস্নু অসি অশ্বথামাগী তেল শানখবা মথাথবা শাস্নুলোম্‌বা চেনশিনবগী [illegible] মথম্ [illegible] মতম্না পাণ্ডবরাজা তত্না হেক চেনশিনকলে ॥৪০॥

মতম [illegible] লৈবা পাণ্ডবরাজাবা [illegible] যুদ্ধে [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
তত্না [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

ন [illegible] [illegible] [illegible] ।
সসর্জ [illegible] পরিপীড়যন্ গদাং ততোঃ [illegible] বভূ ॥৩৯॥
মণিপ্রবেকোত্তমবজ্রহাটকৈর্বলঙ্কৃতাং [illegible] ।
হতো মহাসীদ্ [illegible] পপাত ভিন্নদ্রৌণিবন্নাকভুবম্ ॥৪০॥
তদর্কচন্দ্রগ্রহণাবকম্পিতং [illegible] পতিতং বিঘূর্ণিতম্ ।
মহেন্দ্রবজ্রাভিহতং মহাবলং যথাগ্নিশৃঙ্গং ধরণীতলে তথা ॥৪১॥
ততঃ প্রজজ্বাল পরেণ মন্যুনা পদাহতো নাগ ইবাভিতো তথা ।
সমাদদে চাস্তকদণ্ডসন্নিভানিষূনমিত্রান্তকরাংশ্চতুর্দশ ॥৪২॥
দ্বিপস্য পাদাগ্রকরান্ স পঞ্চভির্ন পঞ্চ বাহূ চ শিরস্ত্রয় চ ত্রিভিঃ ।
জঘান ষড়্ভিঃ ষড়্ভুপমর্দিনঃ স পাণ্ড্যরাজানুচরান্ মহারথান্ ॥৪৩॥
সুদীর্ঘবৃত্তৌ বরচন্দনোক্ষিতৌ সুবর্ণমুক্তামণিবজ্রভূষণৌ ।
ভুজৌ ধরায়াং পতিতৌ নৃপস্য তৌ বিচেষ্টতুস্তার্ক্ষ্যহতাবিবোরগৌ ॥৪৪॥

॥৪১॥ অশ্বত্থামা মালয়গী মপু পাণ্ড্যদেশ নিংথৌ মালয়ধ্বজ কৌবা শিংথৌঙ্গমা শামুনা খুইনা [illegible] থৌজিনক্‌না সিংহনাদ লাউন লাউনা অশ্বত্থামাবোম্দা চংশিল্লক্‌না অশাউবগা লোইননা [illegible] অমা লংশিল্লক্পগী হোনবা পাবোমগী শাজল পুয়মক্ অহু হাপজুনা [illegible] মতৌঙম্ [illegible] থৌরবা থাং অতেনবা অপাকপা অমা অশ্বত্থামাগী মপা চুমা লংথরকই ॥৪২॥ "লেংঙৌ, ঐ নংবু হাংলবনি" অসুম্ হায়না মায়া হনাউনা লাউব লাউরহনা লংথরকপা পাণ্ড্যরাজাগী খুৎনাই অচুমা অশ্বত্থামাগী কজবা মমল হিয়ানা, মণিমুক্তানা থামলবা, সনানা কিপা, হীরাগা মুক্তাগনা [illegible] চানাচানা লেংবা মালানা য়েঙ্কিবা পুক্‌প অহুম বিনপাইখে ॥৪৩॥ ইন্দ্রগী বজ্রনা থাবদা চীঙথোঙ্গা কীহরকপা [illegible] পাণ্ড্যরাজাগী খুৎলাই অচুমা থাবদা সুর্বিৎ-খা-গ্রহ অমদি মৈ [illegible] মতৌঙম [illegible] কজবা পুক্‌প অহু অশ্বত্থামাগী কোকংকগী লৈথারবা মথোল হোনা তাখে ॥৪৪॥ মতম অমদা অশ্বত্থামা অসি মীনা থোংপাক্‌পা লেপ্পাবা মহু পুরবা লিসঙ্গা অপাথবা [illegible] হৌখিহনা যমদণ্ডগা মান্নবা য়েরবা হাংঙবা তোল তরামরি হৈৎলি ॥৪৫॥ মতম অমদা [illegible] কাওবা, কজবা অশ্বত্থামানা [illegible] মথা অমনা শামুগী মখোঙ মরি [illegible] । [illegible] [illegible] অমনা পাণ্ড্যরাজাগী মপাবোম্ অনী [illegible] মকক কহৎলি । অহুমা [illegible] [illegible] [illegible] অহু [illegible] চহি অমদি মথু [illegible] [illegible] পাণ্ড্যরাজাগী [illegible] [illegible] মহারথী [illegible] [illegible] [illegible] হাৎলি ॥৪৬॥ মতম [illegible] [illegible] [illegible] পুথকৈ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পাণ্ড্যরাজাগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

শিরশ্চ তৎপূর্ণশশিপ্রভাননং সরোষতাম্রায়তনেত্রমুন্নসম্ ।
ক্ষিতাবপি ভ্রাজতি তৎ সকুণ্ডলং বিশাখয়োর্মধ্যগতঃ শশী যথা ॥৪৮॥
স তু দ্বিপঃ পঞ্চভিরুত্তমেষুভিঃ কৃতঃ ষড়ংশশ্চতুরো নৃপস্ত্রিভিঃ ।
হুতো দশাংশঃ কুলেন মুখ্যতা যথা হবিস্ত্রিদশ দৈবতং তথা ॥৪৯॥
স পাদশো রাক্ষসভোজনান্ বহূন্ প্রদায় পাণ্ড্যোহশ্বমনুষ্যকুঞ্জরান্ ।
স্বধামিবাপ্য জলনঃ পিতৃপ্রিয়স্ততঃ প্রশান্তঃ সলিলপ্রবাহতঃ ॥৫০॥
সমাপ্তবিদ্যস্ত গুরোঃ সুতং নৃপঃ সমাপ্তকর্ম্মাণমুপেত্য তে সুতঃ ।
সুহৃদ্বৃতোহত্যর্থমপূজয়ন্মুদা জিতে বলৌ বিষ্ণুমিবামরেশ্বরঃ ॥৫১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
পাণ্ড্যবধে পঞ্চদশোঽধ্যায়ঃ ।০। *

চন্দ্রনা লৈ ॥৪৭॥ থাওম্ কজবা মায়থোং পুরবা, শাউথিবনা ঈওম্ ওাওলবা মীৎ অনী মাওরবা, ন্নাংলবা কজবরা নাতোন্ন লৈত্তেং ওইববা, নাকোং অনীমক্ত কুণ্ডলনাইম অনীনা হাইচুব পাণ্ড্যরাজাগী মকোক্ অদো, বিশাখানক্ষত্র অনীগী মরক্ত লৈবা চন্দ্রমানা লৈমায়থক্তা ভাহুনা লৈবগুম লৈমায়থক্তা ভুমিন্না ভাহুনা থোইকোক্না নিঙথিজখি ॥৪৮॥ লাম্ন হৈশিংলবা অশ্বত্থামানা লান তৌনা তৌনা থৌরবা ভেল মঙানা শামু অদুবু মতুপ তরুক থোক্না, ভেল অহুম অমনা পাণ্ড্যরাজাগী মশা অদুবু মতুপ অহুম থোক্না ককথৎখি । প্রমান অমদি যজ্ঞ হোম তৌবা য়াম্না হৈবা কুল পুরোহিত অমনা দশ হবিবিধানগী যজ্ঞদা হোম দ্রব্য অদুবু ইন্দ্রনচিংবা দেবতাশিংদা শরুক তারা থোক্না চপ মান্ননা য়েন্নগা কথোকপদুগুম্না অশ্বত্থামানা শামু অদুবু অদুগা পাণ্ড্যরাজাগী মশা অদুবু চপ মান্ননা শরুক্ তরা থোক্না ককথৎখি ॥৪৯॥ প্রেতলোক (পিতৃ লোক্) পায়শিংগী সংস্কারগী মৈনা অশিবা হকচাংবু বান্নবা ভুংদা, ঈশিং চাইশিন্নবা ভুংদা মুংচথিবগুম্না পাণ্ড্যরাজা অসি কুরু পক্ষগী শগোল শামু থোংগী লান্নী কয়া কয়া মতুপ মতুপ থোক্না ককথৎতুনা লওজা লমুহইদা পীজরমলগা মশামকন্ন অশ্বত্থামাগী খুৎলায়গী মচিন্দা মতুপ মতুপ তানা লৈমায়থক্তা লৈখি ॥৫০॥ মহারাজ ! অদুগী তুংদা নচা ঈকুতো দুর্য্যোধন অসি হরাউবনা লুতোল কাখিনুনা মরুপ মপাং থোক্তগী লান্নী মীলুবনা ঈকোয় কোইশিন্নুনা, বলিবু হাংলবা তুংদা ঈন্দ্রনা বিষ্ণুগী পূজা তৌবা লৌশিংলেন্নানবা আন্নগুম্না, বিদ্যা পূবা ওবা নাইনা ভব্দনা হৈরবা গুরু মচা অশ্বত্থামাগী পূজা তৌখি ॥৫১॥

মকম্ অসিদা শ্রীমহাভারতকী লোক্ লিশিং চাবনা শ্রীব্যাসনা লেখা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা পাণ্ড্যরাজাবধগী অঁরা মঙা ভাবা অধ্যায় লোইরে ।

শ্রীমহাভারতম্

ষোড়শোঽধ্যায়ঃ।

(তরাতরুক শুবা অধ্যায়)

কর্ণপর্ব্বদা অকনবা লাল্লাও

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ।

পাণ্ড্যে হতে কিমকরোদর্জ্জুনো যুধাং বরঃ। একবীরেণ কর্ণেন দ্রাবিতেষু পরেষু চ ॥১॥
সমাপ্তবিদ্যো বলবান্ যুক্তো বীরশ্চ পাণ্ডবঃ। সর্বভূতেষ্বনুজ্ঞাতঃ শঙ্করেণ মহাত্মনা ॥২॥
তস্মান্মহদ্ভয়ং তীব্রমমিত্রঘ্নাদ্ধনঞ্জয়াৎ। স যত্তত্রাকরোৎ পার্থস্তন্মমাচক্ষ্ব সঞ্জয় ॥৩॥

সঞ্জয় উবাচ।

হতে পাণ্ড্যেঽর্জ্জুনং কৃষ্ণস্ত্বরন্নাহ বচো হিতম্। পশ্যামি নাহং রাজানমপযাতাংশ্চ পাণ্ডবান্ ॥৪॥
কর্ণং পশ্য মহারঙ্গে জ্বলন্তমিব পাবকম্। অসৌ ভীমো মহেষ্বাসঃ প্রতিযুক্তো রণং প্রতি ॥৫॥
ত ইমে নানুবর্ত্তন্তে ধৃষ্টদ্যুম্নপুরোগমাঃ। পাঞ্চালাঃ সৃঞ্জয়াশ্চৈব পাণ্ডবানাং চমূমুখম্ ॥৬॥

ধৃতরাষ্ট্রনা হায়ঃ—সঞ্জয়। মলয়ধ্বজ হায়বা পাণ্ড্যদেশগী অকনবা নিংথৌ অদু শিথ্রবদা অদুগা য়েক্লবা ওখা কর্ণনসু পাণ্ডব লান্মীশিং অদুবু নৈরক্লবদা, লান ওখগী অথোইবা অর্জ্জুননা করি করি তৌখি? ॥১॥ অর্জ্জুন হায়বদো যুদ্ধগী বিদ্যাপুম্বা তমদুনা লোইশ্লবনি। মহাক্তি য়াম্না মপাঙ্গল কনবনি, অদু তৌননবগীদমক্ত য়াম্না চোকশিনরনি, মপাঙ্গল মথৌনা অনীমক্ত লৈবনি। মতম অমদা মহাদেবনা মতোন্দা "মহাক্তি সংসারগী থবাই পানবা পুম্নমক্কী মথুংদা থরাইদগী অহেনবা ওইগনি" অম্নম্ হায়না য়াথংওম্ বরওদ্ পীখ্রবনি ॥২॥ "অদুনা, য়েক্লবা ওখা অর্জ্জুনগী মকথদা ঐগী ওম্বোক্না চিংনবা অকিবা অম লৈরি। অদুনা সঞ্জয়! অকনবা অর্জ্জুননা তৌখিবা থবক পুম্বদো ঐঙোন্দা মথং মীৎনা অমুক তম্মু ॥৩॥ সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ! পাণ্ড্যরাজাবু হাৎখ্রবদা কৃষ্ণনা য়াম্না থুনা য়াঙনা অর্জ্জুনদা অম্নম্না হায়খি:—অর্জ্জুন! ঐ হৌজিক যুধিষ্ঠির রাজা মহারাজবু অদুগা চেনখ্রবা হন্দোক্লবা পাণ্ডব লান্মীশিংবু অমত্ত মথক উবা ফংদে ॥৪॥ অদুনা অর্জ্জুন! আদু য়েংউ! আদগী লাল্লাও অসিদা লৈরিবা চুমিৎথুম্ মদোক্ত মঙাল পুম্না, মৈখুম্ চাক্লিনা কর্ণ অসে য়েংউ। অকিবগী মথক্ পুম্বা মহাধনুর্দ্ধারী মহারথী কর্ণলে লানকনলো খুংগদে ॥৫॥ অদুগা অমমোয়দা ধৃষ্টদ্যুম্ননচিংবা অমদি পাঞ্চাল অমদি সৃঞ্জয়

নিবৃত্তেষু পুনঃ পার্থৈস্তৈঃ শক্তৈর্নীতি মধ্যমে। কৌরবান্ প্রমুখতো যেষু কর্ণো বারয়তে পুনঃ ॥৭॥
অন্তকপ্রতিমো বেগে শক্রতুল্যপরাক্রমঃ। অসৌ গচ্ছতি কৌন্তেয়! দ্রৌণিঃ শস্ত্রভৃতাং বরঃ ॥৮॥
তমেষ প্রকৃতঃ সংখ্যে ধৃষ্টদ্যুম্নো মহারথঃ। অভ্যুদ্যাতা রথাঃ সমুখ্যা সর্বে কৌন্তেয়! সৃঞ্জয়াঃ ॥৯॥
যথাবদ্রথনাগানাং কৃতক কদনং মহৎ। ইত্যেবম্ সর্বমাচষ্ট বাসুদেবঃ কিরীটিনে ॥১০॥
এতচ্চৈবাপ্যা চ দৃষ্ট্বা চ মহদ্ভুতং ব্যসনং মহৎ। বাহয়াশ্বান্ হৃষীকেশ! ক্ষিপ্রমিত্যাহ পাণ্ডবঃ ॥১১॥
ততঃ প্রায়াদ্ধৃষীকেশো রথেনাপ্রতিযোধিনা। দারুণশ্চ পুনস্তত্র প্রাদুরাসীৎ সমাগমঃ ॥১২॥
ততঃ পুনঃ সমাজগ্মুরভীতাঃ কুরুপাণ্ডবাঃ। ভীমসেনমুখাঃ পার্থাঃ সূতপুত্রমুখা বয়ম্ ॥১৩॥
ততঃ প্রববৃতে যুদ্ধং কৌরবাণাং বিশাংপতে!। কর্ণস্য পাণ্ডবানাঞ্চ যমরাষ্ট্রবিবর্দ্ধনম্ ॥১৪॥
ধনূংষি বাণান্ পরিঘানসিতোমরপট্টিশান্। মুষলানি ভুশুণ্ডীশ্চ শক্তীনৃষ্টিপরশ্বধান্ ॥১৫॥
গদাঃ প্রাসান্ শিতান্ কুন্তান্ ভিন্দিপালান্ মহাঙ্কুশান্ প্রগৃহ্য ক্ষিপ্রমাপেতুঃ পরস্পরজিঘাংসয়া ॥১৬॥
(যুগ্মকম্)

লাম্বীশিংনা হৌজিক পাণ্ডব লাম্বীশিংগী মথাক্তা মায়পুননা লেপ্লি ॥৬॥ পাণ্ডবশিংনা কৌরব লাম্বী পুম্বম্ তকথারক্লবনি কৌরব লাম্বীশিং লোইনা চেল্লুরবনি। অদুবু হৌজিক কর্ণনা অমুক্ মথোল্লবু কৌশিল্ লোয়্জিল্লকতুনা কল্লা লাক্কেনরকলি ॥৭॥ অর্জুন! শাক্তা যমরাজগুম্বা, মজিল মথৌনাদা ইন্দ্রগুম্বা, খুৎলায় পায়রবগী অথোইবা অশ্বত্থামা অসিম্ পাণ্ডব লাম্বী তেক্লোল তল্লা চুজিল্লকলি ॥৮॥ অদুগা ঐখোয়গী মহারথী ধৃষ্টদ্যুম্ননু অশ্বত্থামা কল্লা চত্তশিল্লকলি। কুন্তী-নন্দন! অর্জুন! অশ্বত্থামানা সৃঞ্জয় লাম্বীশিংবু কুম্বা হাৎননবা হোৎনরক্লি ॥৯॥ "অদুগা য়েঙু! অশ্বত্থামানা ঐখোয়গী শগোল শাম্বু রথী খোক্মী লাম্বী পুম্বা নৈথাইরক্লি।" অমুক্তা কৃষ্ণনা অর্জুনবা হায়রদি ॥১০॥ কৃষ্ণগী ৱাশিং অসি তাবদা, অদুগা মচীমনাওশিংগী অবাবা থুদোংথীবসি উবদা অর্জুননা কৃষ্ণদা কম্ব হায়খিবগে হায়রবু "কৃষ্ণ! পম্বগন্থ, কারদে, কর্ণনা নৈজিবা অসোমদা লক্লোল অসি য়াম্না কন্না থৌজিল্লু" ॥১১॥ অদুগী তুংদা কৃষ্ণনা অমগা পান্দমবা য়াম্নবা রথ অদু লাক্লগ থৌজিল্লকই। অদুগুম্বদি উবদা অকিবা চুম্নবা লোম্নবা লাক্লাও অমুক্ মমুবু কৌরবে ॥১২॥ পাণ্ডব-কৌরব লাম্বী তেক্লোল অনীগী লাম্বীশিং অদু অকিবা থিগাইবা নৈতনা মথা য়েংদোক্লদুনা লাম্বীশিং কাম্বদুনা পাণ্ডব লাম্বীশিংনা ভীমসেননা মাগ্তা থাম্লগা অদুগা কৌরব লাম্বী-শিংদুনা কর্ণবু মাঙা থাম্দুনা চংলকই ॥১৩॥ মহারাজ! অসিগী তুংদা কর্ণবা পাণ্ডব লাম্বীশিংগী অমমগী থীগী য়েনাংথিজনবগী অমুক্ অথীবনা লাক্লাও অমু হৌখিল্লে ॥১৪॥ লৈরু, কাবুশী থাগ-না, থৌং তেল, য়োচ্ছুক, তুম্বন্ধু, গদা, শীংদং, বরোলা, মচীল, ফুম্বা য়োচেক, থৌর থৌল্লা থবু, কাথী থাং অগাকপা, অক্লেনবা চুট, তুনকুম্ থৌবা মথা পায়বা থাক্লাক্ লমীরক্লিবা থাক লাগ্লুনা লাম্বীশিংনা মথা য়েংথোক্লুনা হন্দোকননা থৌজিল্লে ॥১৫-১৬॥

বাণজালেন মহতা ছাদ্য দিশঃ প্রদিশো বিভুঃ। পৃথিবীং নেমিঘোষেণ নাদয়ন্তোঽভ্যযুঃ পরান্ ॥১৭॥
তেন শব্দেন মহতা সংহৃষ্টাশ্চক্রুরাহবম্। বীরা বীরৈর্মহাঘোরং কলহান্তং জিগীষবঃ ॥১৮॥
জ্যাতলত্রধনুঃশব্দাঃ কুঞ্জরাণাঞ্চ বৃংহিতম্। তাড়িতানাঞ্চ পততাং নিনাদঃ সুমহানভূৎ ॥১৯॥
বাণশব্দাংশ্চ বিবিধান্ শূরাণামভিগর্জতাম্। শ্রুত্বা শব্দং ভৃশং ত্রেসুঃ পেতুর্মমুশ্চ সৈনিকাঃ ॥২০॥
তেষাং নিনদতাঞ্চৈব শস্ত্রবর্ষঞ্চ মুঞ্চতাম্। বহূনাধিরথির্বীরঃ প্রমমাথেষুভিঃ পরান্ ॥২১॥
পঞ্চ পাঞ্চালবীরাণাং রথান্ দশ চ পঞ্চ চ। সাশ্বসূতধ্বজান্ কর্ণঃ শরৈর্নিন্যে যমক্ষয়ম্ ॥২২॥
যোধমুখ্যা মহাবীর্য্যাঃ পাণ্ডূনাং কর্ণমাহবে। শীঘ্রাস্ত্রা দিবমাবৃত্য পরিবব্রুঃ সমন্ততঃ ॥২৩॥
ততঃ কর্ণো দ্বিষৎসেনাং শরবর্ষৈর্বিলোড়য়ন্। বিজগাহাণ্ডজাকীর্ণাং পদ্মিনীমিব যূথপঃ ॥২৪॥
দ্বিষন্মধ্যমবস্কন্দ্য রাধেয়ো ধনুরুত্তমম্। বিধুন্বানঃ শিতৈর্বাণৈঃ শিরাংস্যথ পাতয়ন্ ॥২৫॥

মখোয়গী লীমীলীঙবা তেনজংপা তেজা থোংবা কাপথোকপা—অসি পুন্নমকী মখোলনা অদুগা রথশিং অদুগী চাকা মন্নামগা নৈমায় থকা তরবগী মখোল্লা মায়পৈ পুম্বা পুমনিন নিলহন্দুনা পক্ক অনীগী লান্মীশিং অসি চোংশিন্নরক্লে ॥১৭॥ মথিল নৈবা অকনবা ক্ষত্রিয় লাম্নীশিং অদুনা লনলগী ইনিন অসিদা মহা ওইনা হরাও তয়ামখিন্নুনা লান্গী মশক পুরবা ঈপাকপু লাক্তোকে হায়বগীদমক লাল্-ঈপাক্সুংদা চোংশিন্নরক্লি। ভুজংবা পোক্লবা অকিবগী মশক ওইরবা লাঞ্জাও হৌথরে ॥১৮॥ লালকম্ অন্ন লীরুংগা লীরংগা তক্ক থেংনবগী লীরাদগী তেজনা থঙ্ থঙ্ কাপ্থোকথিবগী, খুবাঙগা লীমীগা তরবগী, শগোল শায়্শিংনা লাউথোংবগী থানমকপা-ঙনমকপা-ভুনমকপা চৈন-ককপগী মখোল্লা পুমনিন নিনথরে ॥১৯॥ থরা কিগনবা, পাঙদবা লাম্নীশিংদি অকনবশিংগী লাউনকপা মখোল তাবজা শিংলোল চেনঙম্ চেনগানহনা মিপাইনদুনা যাঙমবম্ রাওরে ॥২০॥ মতমদা কর্ণনা অক্লনা হোজিল্লকলিবা, খুংলাক্লনা নোংচুবঙম্ হৈথবকলিবা পাণ্ডব লাম্নীশিংগী মরক্তা হাইজিনখিন্নবা অকনবা পাণ্ডব লাম্নী কয়া কয়া হাৎলকলে ॥২১॥ কর্ণনা তেজনা নোং চুবঙম্ হৈথহনা পাঞ্চাল লাম্নীশিংগী অহানবদা রথী মঙা, অদুগী তুংদা তরা, অদুগী অমুক মঙী মঙা অমমু মাগী মাগী শগোল সারথি মথপা কিক্কলগা লোয়নবা যমালয় য়ৌহনখি ॥২২॥ অদুগী তুংদা মখুঙ খুনদা পাণ্ডব পক্কগী লাম্নীশিংনা তেজলিংবা খুৎলায় মথল মথমা নোংমদোল মকোলদু পূমকুল কুয়শিল্লহনখিনা কর্ণগী মায়পৈ অমুবদা পূমকোয় কোয়শিল্লরে ॥২৩॥ অদুগী তুংদা [illegible] [illegible], [illegible] মায়াদা মক্ক তারবা পূথী [illegible] কুমমক্তা নৈমকপঙম্ কর্ণনা [illegible] [illegible] নৈতরবা কাপশিল্লদুনা তেজনা থেক্কবগী লাম্নী মথৈগীদমক খা-মাই থওদনা নৈবা [illegible] ॥২৪॥ অদুগী মতুংদা কর্ণনা মাগী [illegible] [illegible] লীরুম অন্ন পুক্কম্ চেংনা পায়দুনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] চাক চাম শিংশিং শিংশিং থক্ থক্না

চর্মবর্মাণি সংছিন্নাঙ্গপত্রান্ ভুবি সেদিবান্ । বিবেশর্নাস্ত সম্পার্থ, বিকীর্ণস্ত শতশিরঃ ॥২৪॥
সর্বদেহান্থুমথনৈর্দ্রুব: প্রচ্যুতৈঃ শরৈঃ । বৌর্য্যা তদজেৎতাহবং ক্ষারা বাষিতো বথা ॥২৫॥
পাত্বদ্ধরণাকালান্ শরগোচরমাগতান্ । সবর্ধ ভরসা কর্ণঃ শিরো বৃথগপাবিব ॥২৮॥
ততঃ পাঞ্চালরাজন্ড দ্রৌপদেয়াশ্চ মারিষ ॥ যবৌ চ যুযুধানশ্চ সহিতাঃ কর্ণবজাব্রু ॥২৯॥
তেষু ব্যায়চ্ছমানেষু কুরুপাঞ্চালপাণ্ডুষু । প্রিয়ানসূন্ রণে ত্যক্ত্বা যোধা জগ্মুঃ পরস্পরম্ ॥৩০॥
সুসন্নদ্ধাঃ কবচিনঃ সশিরস্ত্রাণভূষণাঃ । গদাভিমু'ষলৈশ্চান্যৈঃ পরিঘৈশ্চ মহাবলাঃ ॥৩১॥
সমভ্যধাবন্ত ভূশং কালদণ্ডৈরিবোদ্যতৈঃ । নর্দন্তশ্চাহ্বয়ন্তশ্চ প্রবন্তশ্চ মারিষ । ॥৩২॥ (যুগ্মকম্)
ততো নিজঘ্নুরন্যোন্যং পেতুশ্চান্যোন্যতাড়িতাঃ । বমন্তো রুধিরং গাত্রৈর্বিমস্তিকেক্ষণা ভুবি ॥৩৩॥
দন্তপূর্ণৈঃ সরুধিরৈর্বক্ত্রৈর্দাড়িমসন্নিভৈঃ । জীবন্ত ইব চাপ্যেতে তস্থুঃ শস্ত্রোপবৃংহিতাঃ ॥৩৪॥

লানমুংদা হংগৎহন্দা চেজি ॥২৫॥ মতম অহুদা শগোল শায় অতপ। মীশী মথোং মথুং মউরা মতং মতং ওইনা শদুম্ অমমম ওটনা লৈমায়থক্তা তায়কনি। কর্ণগী তেন্না অমুক্তং পানথরবা মীদো মতোন্দা অনীমক্ হনবা অহুগা খুৎলায় হনবা নংতম্দে; ভুমিবা শিথিবনা অহুম্ মহাক্লে। শিহৌদবনা কর্ণদা হন্না য়েংতমদনা অহুম্ মচেনথয়ে ॥২৬॥ শগোল তোংবা লাম্মীনা শাজৈনা মাগী শগোন্দা থায়কপত্তয়া কর্ণনা মাগী মীক্লং-মীয়ীদগী পাইথোকহল্লকপা, লালফুরিংকা লোয়ননা উনশাবু, হকচাংবু, থরাইথকপু খুদক খুদক্তা থদং কোয়দং লৌতবা তেন্তনা য়েক্লবশিংগী মশাদা হকথোংননা থাবা হৌয়কুলে। য়েক্লবশিংগী খুথাঙকাওবদা তেন্না হক্থোংননা থিনবা হৌয়কলে ॥২৭॥ নোংশানা চেনকম্ লৈজ্রবা শজী শতাইবু তায় তায় হাংশহুওমা কর্ণনা মাগী তেনগী মশাদা লাকপা তাক্কপা পাণ্ডব সৃঞ্জয় পাঞ্চালশিংবু নৈবা হৌয়কুলে ॥২৮॥ ঐকায় খুমনবগী মশক ওইরবা মহারাজ! অদিগী তুংদা ধৃষ্টদ্যুম্ন, দ্রৌপদীগী মচাশিং, নকুলসহদেব অহুশা সাত্যকি মথোয় অসি পুন্নশ হৌহুনা কর্ণ তায়া কুপ্পিন্নকই ॥২৯॥ মহারাজ! মতম্ অদিদা পাণ্ডব-পাঞ্চালশিংগা কৌরবকী লান্মীশিংগা শোক্লকপসি, মশা মশাগী থরাইবু পুনশিন্নু কবিদত পান্থুননা অমগমগ হকথোংনহুনা ফুনতুনহুনা খুদক খুদক চপ্ চপ্ মান্নবা তুখমিন্নথি অমনা অমগী মকক্লো হোক্চিন কুপ্পিন্নথি ॥৩০॥ ঐকায় খুমনবগী মশক ওইরবা নিংথৌ! অহুনগী লানগী খীজোন তদা লৈজেংলবা, কজ কজরবা কন্নবা লাজকুব্বিং লীংশা, মকোক কোয়েৎ লুহপ্ উন্না, কন্নবা থোকপী লান্মীশিং অহুনা অকিবা কংবা লাউথোকলহনা, মমীং মরা চপ্ চপ্ হুনংথমনা মকলতনা মান্নবা য়োজকুক মুংতক্ শহনচিংবা হাইদং শায়রৎনহুবা অমমরম হাইজিন থেংঙিন্নকুলে ॥৩১-৩২॥ অমগমগ চোংশিন ক্লোংশিন্নহুনা থকাই লোন্নথি। অমগমগ থেংনাইনহুনা নিত্তহুনা তুমনথি। মশা মশাদঙী উনী ইথোং চেলনহল্লি। মকোক মকোকনী থোন্নবু য়োনবা চিনবাইনহুনা লোথোকথি, মমীং লোজকনথি ॥৩৩॥ [illegible]

[illegible] ।
[illegible] ।
[illegible] ।
[illegible] ।
[illegible] ।
[illegible] ।
[illegible] ।
[illegible] ॥৪১॥
[illegible] ।
[illegible] ॥৪২॥

অদুগা লেওবা মাদনা লৈমায়দা তুম্না লৈবদু ডাওলবা মরাগী মশক ওইরবা মরম পবেং পবেং বিল্লোয়রবা কবোই অমমমগী মশক ওইরবা মকোক মমায়দুগা লোয়ননা ঈডেক তেক্লা লৈবক্লা অহিংবা শিল্লিবা অমমমওম্রা উরি ॥৩৪॥ সমূত্রদা ঈথক হৌরকপা মতমদা থাশিংনা অমগমগ থেংগাইনদুনা ঈথক ইপোম্দা হাইগৎনরকপদুওম্রা, মহাসমুদ্রগী মশক ওইরবা লাল্লাও অদুদা অমগমগ শাউগৎনরবা অকনবশিং অদুনা শীংজংনা, থাওশাংনা, থিঙ্কতানা, খুজীন শাবা মেংকী খুৎলায়না, থাওপাক্লা, থাউ অতেনবা [খুপ্রী] না চোগ, চোগ, য়ানশিল্লদুনা অমনা অমদু মচেৎ মচেৎ থোক্লা, মকুপ মকুপ তানা, লৈমায়থক্ত শতুম্ মপৈ অমমমওম্ তাহল্লকলি। অদুগা অমনা অমদু কক্লা কক্লা গ্রো-গ্রো চিংদুনা পুমলি ॥৩৫-৩৬॥ অমগমগ হাৎনশিনমবশিং অদু ঈনা পুমদুপ জুগদুনা, মথমাই য়াওনদনা, চন্দন পাথীনা মশাক্গী শতুম্-মহী শিঙ শিন্দুনা লৈমায়থক্ত তুথরকপওম্রা, মরা-মরাদগী ঈ হাথনদুনা তুমিন তুমিন তারি থরো থরো ওলি ॥৩৭॥ শামু তোংবা, শগোল তোংবা, রথ তোংবা, থোঙমীশিংনা মপা মপা হাৎনরকপসিনা মীকুপ মীকুপ্তা শগোল লিশিং লিশিং ; শামু লিশিং লিশিং রথ লিশিং লিশিংনা অদুগা থোঙমী লিশিং লিশিংনা লৈমায়থক্ত তারক্লি ॥৩৮॥ তানা, তুমওম্ থৌরবা থাওনা, মরা থামচেৎ শাবা খুৎলায়না শিংওপ, শানা শানা কক্লবা বিরাল, কোক্, ছত্র, শামু মনাতোল, মীগী মথোঙ পাথোম্ অসিতনা লালকম অদু চীক চায়নবম্ লৈরদুরে ॥৩৯॥ শগোল তোংবা লাথীশিংনা মথোয়গী থাওশাংনা মনাতোল কক্লবা শামুশিং অদুনা অশাউবা লোয়ননা হোক্তিল হোক্তিন্দুনা শগোল শামু থোঙমী কক্লা কক্লা মথোঙপাক্লা নেথায় নেথায়রম্লা মথমাই থা-থাদুনা লৈমায়থক্ত তুথনলি ॥৪০॥ থোঙমীশিংনা চোংথং চোংথন্দুনা মকোক্তা খুৎলায়না তক্লনা, থিরথিন্দুনা হাৎনকপসিদা শামু অমমম্লা [illegible] তাবা [illegible] অমমওম্রা লালকম্লা [illegible] ॥৪১॥ থোঙমীশিংনা [illegible] শগোল তোংবা লাথীশিংবু, অদুগা

হৃদিতানীব পদ্মানি এয়াণা ইব চ ব্রহঃ । হতানাং [illegible] [illegible] চ [illegible] ॥
ব্রপাণ্যভার্ককান্তানি বিমলাম্বুনাং মুখ ॥ সমুদ্রানীব [illegible] [illegible] [illegible] ॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি

সঙ্কুলযুদ্ধে ষোড়শোঽধ্যায় ॥০॥ *

—:-০-:—

শগোল তোংবা লাম্নীশিংনা খোঙমীয়োমদা থৌজিন্ থৌজিন্দুনা অমসংদ খুদক্ খুদক্ হাত্তোরমি ॥৪২॥ শিরিবা লাম্নীশিংহুগী মায়থোং অমমম্না নৈথংলবা থবাল অমমম্‌ঙম্, হকচাংশিং অহনা উকুল রাইযুল তৈরবা নৈমন্ চন্নবা নৈপমেং মঙৎ অমমম্‌ঙম লাঙ্গাও নৈমায়মক অহুদা তারি ॥৪৩॥ মহারাজ । কন কমহনম্ তাহ্না নৈরিবা শগোল শান্ মীশিং অমুগী মথা অহ উতি লান্ত্রবা মমল যান্নবা কি অমমম্‌গী মতৌঙম য়েংবদা কন্নৈ হায়নিংঙে ॥৪৪॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতকা শ্লোক শিশিং চায়না শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা "সঙ্কুলযুদ্ধ" গী তরাতরুকুভবা অধ্যায় লোইরে ॥

শ্রীমহাভারতম্

সপ্তদশোঽধ্যায়ঃ ।

তরাতরেৎশুবা অধ্যায়ঃ

(কর্ণপর্ব্বদা অকনবা লানগী মতাং মথং)

সঞ্জয় উবাচ ।

হস্তিভিস্ত মহামাত্রাস্তব পুত্রেণ চোদিতাঃ । ধৃষ্টদ্যুম্নং জিঘাংসন্তঃ ক্রুদ্ধাঃ পার্ষতমভ্যয়ুঃ ॥১॥
প্রাচ্যাশ্চ দাক্ষিণাত্যাশ্চ প্রবরা গজযোধিনঃ । অঙ্গা বঙ্গাশ্চ পুণ্ড্রাশ্চ মাগধাস্তাম্রলিপ্তকাঃ ॥২॥

সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ । নচা ইযুঙো দুর্য্যোধননা য়াথং পীরক্লবকা শান্ থৌজিনশিংনা অপাউংগা লোয়ননা মাথাগী শান্‌শিংঙমকা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] শান্‌শিং অহ প্রধান্ থৌজিনরি ॥১॥ [illegible] । [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] মথাগোমগী [illegible] [illegible] [illegible] শান্ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

মেকলাঃ কোশলা মদ্রা দশার্ণা নিষধাস্তথা । গজযুদ্ধেষু কুশলাঃ কলিঙ্গৈঃ সহ ভারত ॥৩॥
শরতোমরনারাচৈর্বৃষ্টিমন্ত ইবাম্বুদাঃ । সিষিচুস্তে ততঃ সর্ব্বে পাঞ্চালবলমাহবে ॥৪॥

(বিশেষকম্)

তান্ সম্মিমর্দ্দিষূন্ নাগান্ পার্ষ্ণ্যঙ্কুশাঙ্গুষ্ঠৈশ্চোদিতান্ । চোদিতান্ পার্ষতো বাণৈর্নারাচৈশ্চাভ্যবীবৃষৎ ॥৫॥
একৈকং দশভিঃ ষড়্‌ভিরষ্টাভিরপি ভারত । দ্বিরদানভিবিব্যাধ বিশিখৈর্বিবিধান্ শরৈঃ ॥৬॥
প্রচ্ছাদ্যমানং দ্বিরদৈর্মেঘৈরিব দিবাকরম্ । প্রযযুঃ পাণ্ডুপাঞ্চালা নদন্তো নিশিতায়ুধাঃ ॥৭॥
তান্ নাগানভিবর্ষন্তো জ্যাতন্ত্রীতলনাদিতৈঃ । বীরনৃত্যং প্রনৃত্যদ্ভিঃ শূরতালপ্রণাদিতৈঃ ॥৮॥

(যুগ্মকম্)

নকুলঃ সহদেবশ্চ দ্রৌপদেয়াঃ প্রভদ্রকাঃ । সাত্যকিশ্চ শিখণ্ডী চ চেকিতানশ্চ বীর্য্যবান্ ।
সমন্তাৎ সিষিচুর্বীরা মেঘাস্তোয়ৈরিবাচলান্ ॥৯॥
তে ম্লেচ্ছৈঃ প্রেষিতা নাগা নরানশ্বান্ রথানপি । হস্তৈরাক্ষিপ্য মমৃদুঃ পদ্ভিশ্চাপ্যতিমন্যবঃ ॥১০॥

পুণ্ড্র, মগধ, তাম্রলিপ্ত, মেকল, কোশল, মদ্র, দশার্ণ অহুগা নিষধ লৈপাকশিংসিগী শামুগী লান্দা হৈশিংলবা অকনবশিংনা কলিঙ্গগী হৈশিংলবা লাম্মীশিংগা অমত ওইনা তিমহনা অতং অথম লৈতনা চুথবা নোংগী মতৌগুম্না পাঞ্চাল লাম্মীশিংগী মথক্ত খাউ-তা য়োথক নুংগুর-চিংবা খুৎলায় মখল্ মখল লংথমকলে ॥২-৪॥ মতম অদুদা শামু খৌবশিং অচনা খুদীত হাপলিবা খৌনমবা য়োং অহুনা অহুগা শামু কাতীনা থিন-থিন্দুনা শামুশিং অহবু খৌজিনরুবা মতম অদুদা, শামুশিং অহনা পাঞ্চাল লাম্মী পুন্নমকপু লৈথাইরগে হায়না থম্মুনা চেনশিনরুপা মতমদুদা ধৃষ্টদ্যুম্না শামুশিং অদুগী মথক্তা মগীং লাকচমরুবা য়েতুম মচীন শাখা তেন মন্নাক্ষু নোং-চুথবগুম চুথহনকলে ॥৫॥ ভরতনন্দন! মতম অদুদা অমুমুক কায়া খৌরবা তেন্ তরানা, তরুমা নিপান্না চীগুদুম অমমমগী মতৌগুম্না যাং চাউরবা শামুশিং অহুগী অমথমদা থাখি ॥৬॥ নোং মতুম মতুমা সুমিৎকী মকোয়বু কুপশিনকপহগুম্না শামুশিং অহনা ধৃষ্টদ্যুম্নবু কোয়শিনখবমা খৌর খৌরবা খুৎলায় জাং জাং পায়রবা পাণ্ডব অমদি পাঞ্চাল লাম্মীশিংনা লীরংগী লীয়াশিং অহনা মমগী তারা মরী ওইরবা কাপথোক্পগী খংখং লাউবা শমহনা তাহা পীবা ওইরবা, লাউরকপা খোঙ্গাউশিং অহনা অকনবগী লৈশঙ্ ওইনা থুনা হাইগৎ হাইথবা মথুৎ মপাথোমুশিং অহনা জগোই শাশাবগুম্না শামুশিং অহুগী মথক্তা কপশিন্ লংশিন্না ধৃষ্টদ্যুম্নবু কনগে হায়বদগী চেন্-শিনরকই ॥৭-৮॥ অদুগী তুংদা নকুলসহদেব, দ্রৌপদীগী মচাশিং প্রভদ্রকশিং, সাত্যকি, শিখণ্ডী, অমসুং চেকিতান মথোয় অমিনা নোংনা চীংথক্তা চুপ্পকপগুম্, মেমচিংবা খুৎলায় মখল মখলবু শামুশিং অহুগী মথক্ত চৈথেংনরলে ॥৯॥ ম্লেচ্ছশিংনা থৌজিনরক্লা শামুশিং অহনা মমাকোয়

বিভিন্নাশ্চ বিষাণাগ্রৈঃ সাদিনশ্চ চ চিক্ষিপুঃ। বিষাণলগ্নাশ্চাপ্যন্যে পরিপেতুর্বিভীষণাঃ ॥১১॥
প্রমুখে বর্তমানস্ত দ্বিপং তস্য সাত্যকিঃ। নারাচেনোগ্রবেগেন ভিত্ত্বা মর্মাণ্যপাতয়ৎ ॥১২॥
তস্যাবপ্লবমানস্য দ্বিরদাদুৎপতিষ্যতঃ। নারাচেনাহনদ্বক্ষঃ সাত্যকিঃ সোঽপতদ্ভুবি ॥১৩॥
পুণ্ড্রস্যাপততো নাগং চলন্তমিব পর্বতম্। সহদেবঃ প্রযত্নাত্তৈর্নারাচৈর্ব্যহনত্ত্রিভিঃ ॥১৪॥
বিপতাকং বিযন্তারং বিবর্মধ্বজজীবিতম্। তং কৃত্বা দ্বিরদং ভূয়ঃ সহদেবোঽঙ্গমভ্যয়াৎ ॥১৫॥
সহদেবস্তু নকুলো বারয়িত্বাঙ্গমার্দয়ৎ। নারাচৈর্যমদণ্ডাভৈস্ত্রিভির্নাগং শতেন তম্ ॥১৬॥
দিবাকরকরপ্রখ্যানঙ্গশ্চিক্ষেপ তোমরান্। নকুলায় শতান্যষ্টৌ ত্রিধৈকৈকস্তু সোঽচ্ছিনৎ ॥১৭॥
তথার্দ্ধচন্দ্রেণ শিরস্তস্য চিচ্ছেদ পাণ্ডবঃ। স পপাত হতো ম্লেচ্ছস্তেনৈব সহ দন্তিনা ॥১৮॥
অথাঙ্গপুত্রে নিহতে হস্তিশিক্ষাবিশারদে। অঙ্গাঃ ক্রুদ্ধা মহামাত্রা নাগৈর্নকুলমভ্যয়ুঃ ॥১৯॥

শগোলশিংবু, রথশিংবু, মীশিংবু চিংশিন চিংশিন্দুনা, য়েচ্ছিন য়েচ্ছিন্দুনা, মথোওদা থাজিন থাজিন্দুনা মপৈ মপৈ হাৎলকলে ॥১০॥ শামুশিং অহুনা লাম্মীশিংবু ময়া য়াতোয়া থিন থিন্দুনা হাৎলকলি মনাতোয়া য়েচ্ছিন য়েচ্ছিন্দুনা মথোওদা ফুজিন্ ফুজিন্দুনা হাৎলি অহুগা লাক লাক্‌না লাথ লংখোয়কলি। অকিবা হজোইবগী শত্রুকম্ পুণ্ড্রবা লাম্মী কয়া কয়ানা শামু য়াতোম্বা মতং মতং ওইনা শদুম শদুম্ ওইনা য়াম্দুনা মপু্না মায়গৈ পূখদা পুমচাই চাইনা তায়কলি ॥১১॥ মতম অসিদা সাত্যকিনা অকিবগী মশক কংনা থোরবা য়েত্নম মচীন শাবা তেল অমনা বঙ্গদেশগী নিংথৌগী শামু অমবু নাকথংদা থিনগাইহনা হাৎখি ॥১২॥ মতম অসিদা বঙ্গদেশকী নিংথৌ অসি ফুখরক্লিবা শামু অদুগী মনক্কগী হেক চোংথরকপা মতমদুদা সাত্যকিনা মাগী থবীক্তা থোরবা তেল অমনা থাহনা মাগী মথমাই লোখি ॥১৩॥ পুণ্ড্রদেশগী নিংথৌনা চলশিক্লরবদা সহদেবনা য়ায়া চেকশিল্লা থোরবা তেল অহুম্না মাগী অচৎপা চীঙগী মতৌওয়বা য়াং চাউরবা শামু অদুদা থাখি ॥১৪॥ অদুগী তুংদা সহদেবনা শামু অদুগী মথক্তা হেক্ লৈরিবা কিয়ান, অথৌবা লাম্মী, শামু অদুগী মথক্ত কুপলিবা কি, পুয়মক অসিগা লোয়ননা শামু অদুবু শিংগুপ শানা কক্‌থংলবগা অঙ্গরাজগী মায়গৈরোমদা চেনশিনখি ॥১৫॥ মতম অদুদা নকুলনা মনাও সহদেব থায়দা মনজওগা মারমবা থোরবা য়েত্নম মচীন শাবা তেল অহুম্না অঙ্গরাজগী শামু অদুদা অহুনা চায়না অঙ্গদেশকী নিংথৌ অদুদা থাখি ॥১৬॥ অঙ্গরাজনা মতম অদুদা সুমিংকী মতৌওয়া লংলবা শাঙ্গ অচেনবা মানুবা থোরবা তেল চানিপানথক্ নকুল ত্তয়া কাপ্‌লিরকই। মতম অদুদা নকুলনা তেল ময়াম্ অদুগী অমমবু মতুপ অহুম অহুমথোকা কক্ কক্‌না থাদখি ॥১৭॥ অদুগী তুংদা নকুলনা থামচেৎ শাবা তেল অমনা অঙ্গরাজগী মকক্ থাহ কক্‌থংলুনা থাদখি। অদুগীদি ম্লেচ্ছ জাতিগী অঙ্গরাজ অসি মাগী শামুহনা লোয়ননা ঙৌবারকখ্রে চুখখি ॥১৮॥ অদুগী মতুং ইন্না অঙ্গরাজকুমার অসি শিরবদা অঙ্গদেশকী শামু তৌবা অমাদা

চলৎপতাকৈঃ সুমুখৈর্হৈমকক্ষ্যাতনুচ্ছদৈঃ ।
মেকলোৎকলকালিঙ্গা নিষধাস্তাম্রলিপ্তকাঃ ।
তৈশ্ছাদ্যমানং নকুলং জিঘাংসুভিরুদায়ুধৈঃ ।
অভ্যদ্রবৎসুতং রথিনাং চরিতৈঃ সহ ।
নাগানাং প্রাকৃন্তৎ কৃত্তা মর্মাণি বিবিধানি চ ।
তেষামষ্টৌ মহানাগাংশ্চতুঃষষ্ট্যা সুতেজনৈঃ ।
অশ্বোগতিভিরায়স্ত্যা প্রবধাছ্দুকৃতম্ ।
ততঃ পাঞ্চাল্যশৈনেয়ৌ দ্রৌপদেয়াঃ প্রভদ্রকাঃ ।
তে পাণ্ডুযোধান্ ধরৈঃ শক্রছিদদর্পকাঃ ।

নিরাবিষক্তরিতাঃ প্রদীপ্তৈরিব পর্বতৈঃ ॥২০॥
শক্তিতোমরবর্ষাণি বিমুঞ্চন্তো জিঘাংসবঃ ॥২১॥ (যুগ্মকম্)
পরিবব্রুঃ সুসংরব্ধাঃ পাণ্ডুপাঞ্চালসোমকাঃ ॥২২॥
সৃজতাং শরবর্ষাণি তোমরাংশ্চ সহস্রশঃ ॥২৩॥
নবাঙ্কৈশ্চাতিবিদ্ধানাং নারাচৈশ্চ শতানি চ ॥২৪॥
সহদেবো মহানাগং ভেদবতন্ সহ সাদিভিঃ ॥২৫॥
হোৎন্না কাপশিল্লকলবদা অর্জ্জুননা মখোয় অমমম্দা মীপুম্থীৎনা থাখি। অর্জ্জুননা তেল তরেৎনা সৌশ্রুতিদা, অহুম্না সত্যসেনদা, কুন্না শত্রুঞ্জয়দা, নিপান্না চন্দ্রদেবদা, চামনা মিত্রদেবদা, অহুমনা চিত্রসেনদা, মাপন্ন মিত্রবর্ম্মাদা অহুগা তেল নিপান্ন সুশর্ম্মাদা কন্না থাম্‌গা, থোরবা তেল থরনা শত্রুঞ্জয়বু হাৎলগা সৌশ্রুতিগী মকোকৃপু মশাদগী তোঙান্ন তাহন্থি। অহুদগী তেল থরনা চন্দ্রদেববুসু যমালয়দা থাখি ॥১০-১৩॥ মহারাজ! অর্জ্জুননা তেল মঙা মঙানা, অন্ন ওইগে হায়না কন্ন হোৎনরিবা মহারথীশিং অহুদা মীপুম্থীৎনা থাখি ॥১৪॥ মতম্ অহুদা থোইদোক্না শাউরবা সত্যসেননা কৃষ্ণ তম্না থাও অতেনবা অপাকপা মানবা খুৎলায় পায়হুনা থ,না রাওবা লংশিল্লকই অহুগা সিংহনাদ কন্ন লাউরকই ॥১৫॥ অহুদগী য়োৎনা পুম্হৈ ওইনা শারবা খুৎলায় অহুনা পাইশিল্লক্ত,না কৃষ্ণগী ওইথংবা পাম্বোম্দা পাল্লম্মগা লীথোক্‌খিহুনা লৈমায়থক্তা তাখি ॥১৬॥ মহারাজ! খুৎলায় অহুনা থীনা থারহুনা সায়খি ওইরিবা কৃষ্ণগী খুত্তগী শাজৈগা চুপ্লীগা নাহোকখ্রে ॥১৭॥ কৃষ্ণগী ওয় থংবা পাম্বোম্ খিনগাইখিবহু উবদা পৃথাগী মচানিপা অর্জ্জুননা থোইদোক্না শাউখিহুনা কৃষ্ণদা অস্মুয়া হায়রকই:—॥১৮॥ অকন্‌বা, কৃষ্ণ! সত্যসেন হায়বসিনা লৈরিবা মফম্ অসি তান্ন শগোলশিংসি থৌজিন্ন, মহাকপুস্থ ঐ ওসি যমালয়দা থাবিগ্রগে ॥১৯॥ মতম্ অহুদা কৃষ্ণনা শাজৈগা চুপ্লীগা অনীহুবু অমুক থ,না য়াওনা লৌখত্ত,না সত্যসেনগী রথনা লৈরিবা অদোমদা রথ থৌজিনখি ॥২০॥ কৃষ্ণদা থীনা থাখিবহু উবদা থোইনা শাউরবা অর্জ্জুননা থোরবা তেল মপৈ অমনা সত্যসেন খিংহুনা চৎহন্দনা থম্নগা তা মচীনশাবা থোরবা তেল অমনা কৌরব ল্যাম্বী থ,াইবী মাঙমক্তদা সত্যসেন কোবা নিংথৌহুগী মশাদগী কুণ্ডলনাইরচিংবা লৈতোংবা থরবা

ততঃ সুনিশিতৈস্তীক্ষ্ণৈ রাজন্ত মহদ্ভিঃ ।
কুণ্ডলোপচিতং কায়াৎকর্ত্ত পৃতনামুখে ॥২২॥ (যুগ্মকম্)

ত্রিভিস্তত্র শিতৈর্বাণৈশ্চিত্রবর্মাণমাক্ষিপৎ ।
বৎসদান্তেন তীক্ষ্ণেন সারথিঞ্চাস্য মারিষ । ॥২৩॥

ততঃ শরশতৈর্ভূয়ঃ সংশপ্তকগণান্ বলী ।
পাতয়ামাস সংক্রুদ্ধঃ শতশোঽথ সহস্রশঃ ॥২৪॥

ততো রাজতপুঙ্খেন রাজন্ । শীর্ষং মহাত্মনঃ
মিত্রসেনস্য চিচ্ছেদ ক্ষুরপ্রেণ মহারথঃ ॥২৫॥

সুশর্ম্মাণঞ্চ সংক্রুদ্ধো জত্রুদেশে সমাহনৎ ।
ততঃ সংশপ্তকাঃ সর্ব্বে পরিবার্য্য ধনঞ্জয়ম্ ॥২৬॥

শস্ত্রৌঘৈরর্দ্দয়ুঃ ক্রুদ্ধা নাদয়ন্তো দিশো দশ ।
অভ্যর্দ্দিতস্তু তৈর্জিষ্ণুঃ শক্রতুল্যপরাক্রমঃ ॥২৭॥

ঐন্দ্রমস্ত্রমমেয়াত্মা প্রাদুশ্চক্রে মহারথঃ ।
ততঃ শরসহস্রাণি প্রাদুরাসন্ বিশাম্পতে । ॥২৮॥
(বিশেষকম্)

ধ্বজানাং ছিদ্যমানানাং কার্ম্মুকাণাঞ্চ মারিষ । ।
রথানাং সপতাকানাং তূণীরাণাং যুগৈঃ সহ ॥২৯॥

অক্ষাণামথ চক্রাণাং যোক্ত্রাণাং রশ্মিভিঃ সহ ।
কুবরাণাং বরূথানাং পৃষৎকানাঞ্চ সংযুগে ॥৩০॥

মকোক অদু তোঙাম্না পাইথোক্‌হন্‌খি ॥২১॥ ঐকায় খুম্নবগী মশক ওইরবা নিংথৌ। অর্জ্জুননা সত্যসেনগী মতক কল্লবা তুংদা থোরবা তেল খননা চিত্রবর্ম্মাবুস্ তুহন্‌খি। অদুদগী বৎসদন্ত কৌবা খুৎলায় অমনা মহাক্কী সারথিবুস্ মথ্যাই লৌখি ॥২৩॥ অদুদগী মপাঙ্গল কল্লবা অর্জ্জুনন থোইদোক্না শাউখিদুনা তেল চাম চামা, লিশিং লিশিংনা সংশপ্তক লান্মীশিংবু অমুমুক্ত চাম চামা লিশিং লিশিংনা থুজিং ওইনঃ হাৎখি ॥২৪॥ মহারাজ! অদুগী তুংদা মহারথী অর্জ্জুননা লুপানা তেম্না পানবা ক্ষুর মচীনশাবা তেল অমনা কল্লবা মরিল লৈরবা মিত্রসেনগী মতক ককখি ॥২৫॥ অদুদগী অর্জ্জুননা হায়দগী অমুক হেন্না শাউখিদুনা সুশর্ম্মাগী লেংলকী শরু তাইনবম্ অদুদা কপ্প থাখি। অদুগী তুংদা লৈহৌরিবা সংশপ্তক লান্মীশিং অদুনা য়াম্না শাউনা অর্জ্জুনবু কোয়শিন্‌খিদুনা মায়গৈ তরা পূমনিন নিম্না খুৎলায় মপৈ মপৈ কাপশিল থাজিন্দুনা লৈবা হৌরকলে মহারাজ! মখোয়না পুম্নমা নৈরকপসিদা ইন্দ্রগী মতৌঙুম্না মপাঙ্গল মথৌনা লৈরবা, কয়া-য়াম্না কনবগে হায়বদু হায়দম্ খঙদবা মহারথী অর্জ্জুননা নতম্ অদুদা ঐন্দ্র কৌবা খুৎলায় অদু পুথোরকই। মাদুদগী মশীং লাকতমদবা তেল লিশিং লিশিং পাইথোরকই ॥২৬-২৮॥ ঐকায় খুম্নবগী মশক্ ওইরবা মহারাজ! কক্থৎপ্রবা ফিরাল, লীরুং, রথ, তেন্দোং, রথগী অশাংবা অতেন্‌বা অখোয়বা য়োংকী মচাকশিং, রথগী অমদি শগোল শামুগী মথক্ত কুপ্পা ফি, তুতুদুনা লৈরিবা শগোল, থাড-তা শীংজং-য়োচ্ছুক্, মুংগুক্, গদা, চাকা পানবা তা অশাংবা, কৈগল, পাম্বোম্, খুজিনাচিনা থম্না রাওরিবা খুৎ-পাম্বোম্ সনরীক লালুফুরিৎ, ছত্র, ফিরাল, কঙহাউ-চামর, মণিমুক্তানা থাম্নবা লুহুপ রাওবা কোক্, মখোয়শিংসিনা মাগী মাগী হায়গী মকমুদগী লৈমারথক্ত তারকপগী তোঙাল তোঙানবা মথোম্না লালকম্ অদু পূম্নিন-নিনখি ॥২৯-৩০॥ কুণ্ডল

ধ্বজানাং পততাঞ্চাপি প্রাসানামৃষ্টিভিঃ সহ । গদানাং পরিঘাণাঞ্চ শক্তিতোমরপট্টিশৈঃ ॥৩১॥
শতঘ্নীনাং সচক্রাণাং ভুজানাঞ্চোরুভিঃ সহ । কণ্ঠসূত্রাঙ্গদানাঞ্চ কেয়ূরাণাঞ্চ মারিষ । ॥৩২॥
হারাণামথ নিষ্কাণাং তনুত্রাণাঞ্চ ভারত । ছত্রাণাং ব্যজনানাঞ্চ শিরসাং মুকুটৈঃ সহ ।
অশ্রূয়ত মহাশব্দস্তত্র বিশাম্পতে । ॥৩৩॥ (কুলকম্)
সকুণ্ডলানি বক্ত্রাণি পূর্ণচন্দ্রনিভানি চ । শিরাংস্যুর্ব্ব্যামদৃশ্যন্ত তারাজালমিবাম্বরে ॥৩৪॥
স্রগ্বীণি সুবাসাংসি চন্দনেনোক্ষিতানি চ । শরীরাণি ব্যদৃশ্যন্ত নিহতানাং মহীতলে ॥৩৫॥
গন্ধর্ব্বনগরাকারং ঘোরমায়োধনং তদা । নিহতৈ রাজপুত্রৈশ্চ ক্ষত্রিয়ৈশ্চ মহাবলৈঃ ॥৩৬॥
হস্তিভিঃ পতিতৈশ্চৈব তুরগৈশ্চাভবন্মহী । অগম্যরূপা সমরে বিশীর্ণৈরিব পর্ব্বতৈঃ ॥৩৭॥
নাসীচ্চক্রপথশ্চৈব পাণ্ডবস্য মহাত্মনঃ । নিঘ্নতঃ শাত্রবান্ ভল্লৈর্হস্ত্যশ্বকাংস্ততো মহৎ ॥৩৮॥
আতঙ্কাদিব সীদন্তী রথচক্রাণি মারিষ । । চরতস্তস্য সংগ্রামে তস্মিন্ লোহিতকর্দ্দমে ॥৩৯॥
সীদমানানি চক্রাণি সমূহুস্তুরগা ভৃশম্ । শ্রমেণ মহতা যুক্তা মনোমারুতরংহসঃ ॥৪০॥
বধ্যমানন্তু তৎ সৈন্যং পাণ্ডুপুত্রেণ ধন্বিনা । প্রায়শো বিমুখং সর্ব্বং নাবতিষ্ঠত ভারত । ॥৪১॥

নাইরা, লৈতেং অতৈ অতৈনা লীক্ লীক্ লাউনা তণ্ডপ তরেংনা কজরবা থম্বাল লৈনামানবা মীৎনা লৈতেং ওইবা, অমময়া থাপ্পী মায়থোং মানবা মায়থোং পুবা কোক্-ওক্ মপৈ মপৈ অহ্ন লৈখা তারকপা থবানমিচাক্ অমমম্ওম্ থোইনা নীওথিজৈ ॥৩৪॥ হাৎপ্রবা লাম্মীশিং অহ্নগী কজককজরবা লৈপরেং সন্দ্রীক্না লৈতেংলবা মনমৃণ্ডুংশিরবা চন্দননা পুমতৈতৈরবা হকচাংশিং অহ্ননা লালকম্ অহ্ন মপুং ফানা কৃপথে ॥৩৫॥ ফন্না কলবা নিংথৌলাম্মীমচানা মকমমকমদা শিহ্ননা তাবহ্নদা লালকম্ অহ্ন অশিবগী মশক্ ওইরবা, কদিকজবা, গন্ধর্ব্বনগর অমগী মতৌওয়া উথি ॥৩৬॥ মথা কক্প্রবা থুগাইপ্রবা চীঙ অমমম্ওম্বা শগোল শামুগী মপৈ মপৈনা লৈপুং অমমম্ ওইখিহ্ননা লালকম্ অহ্ন চেঙথাকম্ লৈখিরে । ॥৩৭॥ মখিল মথোনা লৈরবা অর্জ্জুননা তা মহীনশাবা ভেলা অহ্নগা অতোপ্প থুংলায়না ককককুনা থাদবা শগোল শামুশিংনা খুবক্ হাওদনা তাহ্ননা লৈখিবহ্নদা লালকম্ অহ্নদ রথ থৌজিমীওভায়গী লম্বী লৈরকত্রে ॥৩৮॥ ঈকায় খুমনবগী মশক্ ওইরবা মহারাজ ! ঈতনা লৈথোম্ পীৎ পীৎ থোক্লবদা, অর্জ্জুনমকী রথগী চাকাশিংহ্ননা থুনা চণ্ডশিনবা ভম্দবওম্বা অম তৌথে ॥৩৯॥ চাকাশিং অহ্ননা ঈগী লৈথোম্দা পুথখিহ্ননা চৎপা মাযকত্রবগ্র সুংশিংকী অমদি পুক্নীংগী মতৌওম্ মাওলবা শগোলশিং অহ্ননা চাকাশিং অহ্নবু শমহ্ননা ফুকহুনা হায়গী থোঙচৎ ঈকায় কায়হন্দবওম্ রথ অহ্ন চিংহ্ননা পুরি ॥৪০॥ ভরতনন্দন মহারাজ ! মতৌ অমুয়া মীথোই জিহেম কজবা হৈরবা, মহাধনুর্দ্ধারী অর্জ্জুননা কৌরব লাম্মীশিং অহ্ন হাত্নিজকলবদা লৈহৌখিবা লাধীশিং অকো অর্জ্জুনগী মাঙদা অমুক শহবা ভমকত্রে । মদায়

তান্ হিত্বা সমরে জিষ্ণুঃ সংশপ্তকগণান্ বহূন্। বিররাজ তদা পার্থো বিধূমোঽগ্নিরিব জ্বলন্ ॥৩২॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
অর্জ্জুনবিজয়ে একবিংশোঽধ্যায়ঃ ॥৩॥ *

——:-•-:——

লৈথোকতুনা চেন্নরকলে, লালকমুদ্দা মী অমতম্ লৈরক্রে ॥৩১॥ মতৌ অমুনা পৃথানন্দন অর্জ্জুননা সংশপ্তক লাম্মী ময়াম্বু জয় তৌরবা তুংদা মৈখু থাংজবা, মংলবা, মৈবুল অমমী মতৌঙ্গা লালকম্ অহুদা লৈথি ॥৩২॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা "অর্জ্জুনবিজয়" গী কুম্নাথোইশুবা অধ্যায় লোইরে ॥

————

শ্রীমহাভারতম্

দ্বাবিংশোঽধ্যায়ঃ।

কুন্নিথোইশুবা অধ্যায়ঃ

(অকনবা লাঙ্গাও)

সঞ্জয় উবাচ

যুধিষ্ঠিরং মহারাজ। বিসৃজন্তং শরান্ বহূন্। স্বয়ং দুর্য্যোধনো রাজা প্রত্যগৃহ্লাদভীতবৎ ॥১॥
তমাপতন্তং সহসা তব পুত্রং মহারথম্। ধর্ম্মরাজো দ্রুতং বিদ্ধা তিষ্ঠ তিষ্ঠেতি চাব্রবীৎ ॥২॥
স তু তং প্রতিবিব্যাধ নবভির্নিশিতৈঃ শরৈঃ। সারথিঞ্চাস্য ভল্লেন ভৃশং ক্রুদ্ধোঽভ্যতাড়য়ৎ ॥৩॥
ততো যুধিষ্ঠিরো রাজা স্বর্ণপুঙ্খান্ শিলীমুখান্। দুর্য্যোধনায় চিক্ষেপ ত্রয়োদশ শিলাশিতান্ ॥৪॥

সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ। অমরোমদা মহারাজ যুধিষ্ঠিরসু কৌরব লান্মীশিংদা কয়া কয়া কাপশিনবা হৌরি। মতম অসিদা দুর্য্যোধন মশামক চঙশিল্লকনা যুধিষ্ঠিরগী মায়োক লাথি ॥১॥ মহারাজ। মহারাজগী নচা জৈবুঙো দুঃশাসননা চঙশিল্লকপা মতমদা যুধিষ্ঠিরনা মতোন্দা কয়া থারগা "থাডহ্, থাডহ্। লৈয়!" হায়না কয়া লাউরকই ॥২॥ মতম্ অমুদা পোইনা পাউরবা দুঃশাসননা থৌরবা তেল মাপন্না যুধিষ্ঠিরদা থারগা অমুমী তা মচীন শাথা তেল অমনা যুধিষ্ঠিরগী সারথিদা শাথিনা থাথি ॥৩॥ অমুগী তুংদা যুধিষ্ঠিরনা নুংদা মথৌ শক্তনা সনানা তেঙ্গা পানবা তেল তরাহুমদোইনা দুর্য্যোধনদা কয়া থাথি ॥৪॥ অমুমী মহারাজ যুধিষ্ঠিরনা তেল

চতুর্ভিশ্চতুরো বাহাংস্তস্য হত্বা মহারথঃ। পঞ্চমেন শিরঃ কায়াৎ সারথেস্তু সমাক্ষিপৎ ॥৫॥
ষষ্ঠেন তু ধ্বজং রাজ্ঞঃ সপ্তমেন তু কার্ম্মুকম্। অষ্টমেন তথা খড়্গং পাতয়ামাস ভূতলে।
পঞ্চভিন্নৃপতিঞ্চাপি ধর্ম্মরাজোঽর্দ্দয়দ্ভৃশম্ ॥৬॥
হতাশ্বাত্তু রথাত্তস্মাদবপ্লুত্য সুতস্তব। উত্তমং ব্যসনং প্রাপ্তো ভূমাবেবাবতিষ্ঠত ॥৭॥
তন্তু কৃচ্ছ্রগতং দৃষ্ট্বা কর্ণদ্রৌণিকৃপাদয়ঃ। অভ্যবর্ত্তন্ত সহসা পরীপ্সন্তো নরাধিপম্ ॥৮॥
অথ পাণ্ডুসুতাঃ সর্ব্বে পরিবার্য্য যুধিষ্ঠিরম্। অভ্যয়ুঃ সমরে রাজন্! ততো যুদ্ধমবর্ত্তত ॥৯॥
ততস্তূর্য্যসহস্রাণি প্রাবাদ্যন্ত মহামৃধে। ততঃ কিলকিলাশব্দাঃ প্রাদুরাসন্ মহীপতে! ॥১০॥
যত্রাভ্যগচ্ছন্ সমরে পাঞ্চালাঃ কৌরবৈঃ সহ। নরা নরৈঃ সমাজগ্মুর্বারণা বরবারণৈঃ ॥১১॥
রথাশ্চ রথিভিঃ সার্দ্ধং হয়াশ্চ হয়সাদিভিঃ। দ্বন্দ্বান্যাসন্ মহারাজ! প্রেক্ষণীয়ানি সংযুগে।
বিবিধান্যপ্যচিন্ত্যানি শস্ত্রবন্ত্যুত্তমানি চ ॥১২॥
তে শূরাঃ সমরে সর্ব্বে চিত্রং লঘু চ সুষ্ঠু চ। অযুধ্যন্ত মহাবেগাঃ পরস্পরবধৈষিণঃ ॥১৩॥

মরিনা যুধিষ্ঠিরগী শগোল মরিবু মথরাই লৌরগা তেল অমনা দুর্য্যোধনগী সারথিগী মঙক অহু হকচাংদগী তোঙাল তাহনখি ॥৫॥ অহুগী ভুংদা অকনবা যুধিষ্ঠিরনা তরুকগুবা তেল অমনা দুর্য্যোধনগী ফিরালবু, তরেৎ শুবনা মহাক্কী লীক্লংবু, নিপানশুবনা মহাক্কী থাঙশাংবু ককথৎলগা তেল মঙা অমনা দুর্য্যোধনগী মশাদা শাথিনা থাথি ॥৬॥ মহারাজ! শগোল্‌শিং অহু হাৎখ্রবদা দুর্য্যোধন অসি অরাবা দশাদা তারদুনা রথ অদুদগী কল্‌ হেক চোংথদুনা চপ লেপ্লি ॥৭॥ দুর্য্যোধননা অরাবা ফীভমদা লৈবদু উবদা কর্ণ, অশ্বত্থামা কৃপনচিংবা অকনবশিংসিনা দুর্য্যোধনবু কনগদবগী প্রপ্‌ প্রপ্‌ চেনশিল্লকই ॥৮॥ অদুদগীদ পাণ্ডবশিং অতৈনসু যুধিষ্ঠিরবু কোয়শিন্দুনা চ্যেকশিন্ন ঙাক শেন্দুনা থমখি। অদুগী তুংদা অকনবা লাঞ্জাও অম হৌখ্রে ॥৯॥ মহারাজ! মতম্‌ অসিদা পুং-শেল যম্ন লিশিং লিশিং রৈবা খোংবা হৌরক্লে। মতম্‌ অসিদা লালকম্‌গী মকম্‌ পুম্বদা "হাৎলু! থিল্লু! কাও!" হায়বা খোল্লাও অসিতনা পুম্নিন নিনখ্রে ॥১০॥ লাঞ্জাও অসিদা পাঞ্চাল লাম্মীশিংগা কৌরবশিংগা, খোঙমীগা খোঙমীগা, রাং চাউরবা শামুশিংগা, রাং চাউরবা শামুশিংগা মপা মপা চোংশিন্নদুনা থেংনখ্রে ॥১১॥ মহারাজ! লাঞ্জাও অসিদা রথীশিংগা রথীশিংগা, শগোল তোংবগা তোংবগা, শামু তোংবগা তোংবগা খুৎথেংননা ক্রক্‌ ক্রক্‌ ঈচ্ছিন-নরককপসিদা লাল্‌ অদু য়েংবদা কজরবা, অকিবগী মশক্‌ পোক্লবা, মুর্ত্তি পুথিদুনা শগোলগা শগোলগা, শামুগা শামুগা, রথগা রথগা, খোঙমীগা খোঙমীগা পুংবা পুংবা কায়দনা নিয়ম কায়দনা শোক্লবা মওংদা লৈখি ॥১২॥ শাক্‌ কল্লবা অকনবশিং অচনা অমনা অমবু হাৎলগে ওয়পে হায়না খল্লিন্দুনা চত্থোক্‌ চেঙশিনগী চোংথোক্‌ চাংশিনগী অতম্ম, মরায় ওইবা, অথুবা

অন্যো দ্বং দ্বন্দ্বে অস্ত্রৈর্দোধকৃতসংস্থিতাঃ। নহি তে সমরং চক্রুঃ পৃষ্ঠতো দৈবকারকম্ ॥১৩॥
মুহূর্তমেব তদ্যুদ্ধমাসীন্মধুরদর্শনম্। ততঃ উন্মত্তবদ্রাজন্। নির্ম্মর্য্যাদমবর্ত্তত ॥১৪॥
রথী নাগং সমাসাদ্য দারয়ন্ নিশিতৈঃ শরৈঃ। প্রেষয়ামাস কালায় শরৈঃ সন্নতপর্ব্বভিঃ ॥১৫॥
নাগা হয়ান্ সমাসাদ্য বিক্ষিপন্তো বহূন্ রণে। দারয়ামাসুরত্যর্থং তত্র তত্র তদা তদা ॥১৬॥
হয়ারোহাশ্চ বহবঃ পরিবার্য্য হয়োত্তমান্। তলশব্দরবাংশ্চক্রুঃ সম্পতন্তস্ততস্ততঃ ॥১৭॥
ধাবমানাংস্ততস্তাংস্তু দ্রবমাণান্ মহাগজান্। পার্শ্বতঃ পৃষ্ঠতশ্চৈব নিজঘ্নুর্হয়সাদিনঃ ॥১৮॥
বিদ্রাব্য চ বহূনশ্বান্ নাগা রাজন্! মদোৎকটাঃ। বিষাণৈশ্চাপরে জঘ্নুর্মমৃদুশ্চাপরে ভৃশম্ ॥১৯॥
সাশ্বারোহাংশ্চ তুরগান্ বিষাণৈর্বিব্যধু রুষা। অপরে চিক্ষিপুর্বেগাৎ প্রগৃহ্যাতিবলাস্তদা ॥২০॥
পাদাতৈরাহতা নাগা বিবরেষু সমন্ততঃ। চক্রুরার্ত্তস্বরং ঘোরং দুদ্রুবুশ্চ দিশো দশ ॥২১॥

খোঙচত্তা চৎনবা ছৌরকপে ॥১৩॥ অকনবশিং অহুনা চপ্‌ চাবা ধর্ম্মযুদ্ধগী নিয়মদা লৈনহুনা থাকম্-য়ানকন্ ফুকন্ চান। চানা থানয়ানগুনহুনা মথৱাই থানখি। অহপা কনাগুম্বা অমতনা কনাগুম্বা য়েক্কবা অমত্তবু মমাঙদগী হিংনা হিংনা থাদোকৃখিদে, কনাগুম্বা অমতনা মাগী য়েক্কবা হাৎলমদনা হিংহৌবা লৈতে ॥১৪॥ মহারাজ! লাল অসি অহয়া কন্দনা নিয়ম নাইনা মতম্ খরদং শোক্কখি। অহুদগীদি মথোং মরম্ অমত খঙনখিদ্রে ॥১৫॥ রথীশিংনা শাযুশিংদা চঙ-শিন্দুনা কয়া কয়া থারক্লে। খুদক খুদক্ত শাযু কয়া কয়াবু যমালয়দা থাখি ॥১৬॥ অতোপ অতোপ্পা শাযুশিংনা শগোলশিংবু হেক্ হেক্ কংবা মকমদা হোক্চিন্দুনা মনা মনাতোয়া কোৎ কোত্‌না উক্করুক্ক লৈয়গা লাক্ লাক্‌না লংলি। অহুগা কয়ি কয়িগুম্বা শাযুনা শগোল অহুবু নেখায়রগা ময়া শংল শাংলবহুনা মবুক্ত, মখাদা নাকথংদা থিনথিন্দুনা মথৱাই লৌনখি ॥১৭॥ শগোল তোংবা লাম্মী কয়া কয়ানা অতোপ্‌ অতোপ্পা মকমদগী চেহিয়ক্‌না য়েক্কব কাঙদুগী শগোলশিং অহুবু কোয়শিন্দুনা যাক্কপা থারকপা, ফুৱকপগী মখোয়া পুম্নিন নিনথখে ॥১৮॥ চাউর চাউরবা শাযুনা থা-য়াই থঙনা চেয়রক্লবদা য়েক্কবগী শগোল তোংবা লাম্মীশিংনা নাকল্গী নক্লগা মতুংদগী মাগী মাগী শগোলশিংহুদগী নোঙ-চেপ্‌থহুনা থাঙথানা হাই হাইহুনা শাযুশিং অহুদা য়াখি ॥১৯॥ শাযুশিং অহুনা পয়েং পয়েং চেনশিল্লক্‌না শগোলশিংবু তায় তায়া নেৎথায়হুনা হাৎলক্লি, তুংদগী মাঙদগী ময়ানা থিনথিন্দুনা হাৎলি শিয়থশিং অহুবু শাযু অমনা পাউক্‌না নেৎথায়খি ॥২০॥ অতোপ অতোপ্প কয়ি কয়িগুম্বা শাযুনা অতোংবা লাম্মীগা কোয়হুনা শগোলবু কাওথায়হুনা মথোংপাক্ত থোম্‌জিন্দুনা হাৎলি। কয়ি কয়িগুম্বা শাযুনা অতোংবা লাম্মী অথাযোহীয়বুনা মায়কৈ থমদা, মহাক্কী শগোল অহুনা নাকল অথৌবদা। কয়াতোয় কোৎলে কোৎলহুনা লাপ লাপ্প লংথোয়কৃখি ॥২১॥ অথৌবুনা থোঙবীশিংবা তাঙ্গা অহৌবা লেং লৌহুবা মাংনা মাংনা পায়খিবা থাক্তা [illegible]

পদাতীনাঞ্চ সহসা প্রক্রান্তানাং মহাহবে। উৎসৃজ্যাভরণং তূর্ণমবপ্লুত্য রণাজিরে ॥২৩॥
নিমিত্তং মন্যমানাশ্চ পরিণাম্য মহাগজাঃ। অগৃহ্নবিভিন্নচৈব চিত্রাণ্যাভরণানি চ ॥২৪॥ (যুগ্মকম্)
তাংস্তু তত্র প্রসক্তান্ বৈ পরিবার্য্য পদাতয়ঃ। হস্ত্যারোহান্ নিজঘ্নুস্তে মহাবেগা বলোৎকটাঃ ॥২৫॥
অপরে হস্তিভির্হস্তৈঃ খে বিক্ষিপ্তা মহাহবে। নিপতন্তো বিষাণাগ্রৈর্ভৃশং বিদ্ধাঃ সুশিক্ষিতৈঃ ॥২৬॥
অপরে সহসা গৃহ্য বিষাণৈরবসূদিতাঃ। সেনান্তরং সমাসাদ্য কেচিত্তত্র মহাগজৈঃ ॥২৭॥
ক্ষুণ্ণগাত্রা মহারাজ। বিক্ষিপ্য চ পুনঃ পুনঃ। অপরে ব্যজনানীব বিভ্রাম্য নিহতা মৃধে ॥২৮॥
পুরঃসরাশ্চ নাগানামপরেষাং বিশাংপতে। শরীরাণ্যতিবিদ্ধানি তত্র তত্র রণাজিরে ॥২৯॥
প্রতিমানেষু কুম্ভেষু দন্তবেষ্টেষু চাপরে। নিগৃহীতা ভৃশং নাগাঃ প্রাসতোমরশক্তিভিঃ ॥৩০॥
নিগৃহ্য চ গজাঃ কেচিৎ পার্শ্বস্থৈর্ভৃশদারুণৈঃ। রথাশ্বসাদিভিস্তত্র সংভিন্না ন্যপতন্ ভুবি ॥৩১॥

খোংহুনা কাতু কারল অমগমগ থেংগাইনহুনা চেন্নরি ॥২২॥ খোঙমী লান্মীশিং অহনা মাগী মাগী কীজোল অলঙ্কার পূম্নমক লংথোক্নমহুনা চেন্নকুলবদা মতুংদা তকিং তকিং শাউহুনা তান্নরকপা শামুশিং অহুনা পৈ পৈহুনা লৈরিবা কিয়োল অহুবু মখোয়দা মান্নবা থারবা পুংলায়হুমক্তি হায়না খনখিহুনা কিয়োলশিং অহুবু মখোঙপাক্তা নৈহৎলগা অমুক্ মনাতোন্না কোৎল কোৎলহুনা লাপ্ল লাপ্ল মচেৎ মচেৎ তানা লংথোরকুলি। কৈনা চেপ্ল। নোঙ্গ কুহহুনা মন্নানা কীজোল মপৈ মপৈ অহু থিন থিন্দুনা লৈমুংদা নম্‌শিল্লি ॥২৩-২৪॥ মপাজল কন্নবা, মরিল লৈরবা, খোঙমীশিংনা শামুশিংহুবু কোয়শিন কোয়শিন্দুনা মখোয়গী মথক্তা তোংলিবা লান্মীশিং অহুগা লোয়ন লোয়নন্না শাথিনা হাৎলি ॥২৫॥ লালগী নিয়ম কজনা হৈরবা শামুশিংনা খোঙমীশিং অহুবু মনাতোন্না কোত্তুনা লাপ্ল লাপ্ল লংথোরকলি। খোঙমীশিং অহুনা লৈপারথক্ত শাথিনা তারকপদা অহুগা হৌগৎপা চেলহোবা নংঙ্গিতৈদা শামুশিং অহুনা চেলশিল্লক্তুনা মন্নানা থিন-থিন্দুনা শাথিনা হাৎলরি ॥২৬॥ বাং চাউরবা শামুশিংনা য়েক্লব লান্মী তেজোল মমক্ত চেন-শিন চেনশিন্দুনা মখোঙনা নেথারহুনা মন্নানা থিন্দুনা মনাতোন্না কোৎতুনা খোঙমী লান্মী মখী কয়া কয়াবু হাৎলি ॥২৭॥ মহারাজ। কমি কমিগুবা শামুনা মন্নানা থিন্দুনা হাৎলবা য়েক্লবা লান্মীহুবু মনাতোন্ন অমুক কোৎখৎলগা মাগু চামরগুম্ লৈ লৈহুনা হাইরগা মাহুনা পুংলান্ন ওইহুনা অতোন অমদা থাজিন্দুনা অমহুবুস্থ থুদক্ত মথন্নাই লৌরি ॥২৮॥ মহারাজ মকম্ অমদগু খোঙমী-শিংনা য়েক্লবগী শামুশিংবু রান্না লাকচনা তৌরি। অকংবা য়োচ্ছক্তা নুংতক্তা অমদি মদানা মনীঙদা নাকুথংদা, থমক্ত থা থাহুনা হাৎলি ॥২৯॥ কমি কমিগুবা মকমদা খোঙমীশিংহুনা থাঙ, তা, য়োচ্ছক্তা শামুশিং অহুগী মন্না অনীগী কারক্ অহুদা মনামক্তা, নরাই লেমকুদা, লাখোঙদা থাজিন মুজিন্দুনা শাথিনা হাৎলকুলি ॥৩০॥ নাকল্দা লৈবা য়েক্লবগী শপোল তোংবা রথ তোংবা লান্মীশিংনা রান্না হৈশিনা থৌজিল্লকহুনা বাং চাউরবা শামুস্থ তথরিবা থৌরবা

সহসা সাদিনস্তত্র তোমরেণ মহামৃধে। ভুজাবমর্দনম্ বেগেন সর্ব্বাণং পদাতিনম্ ॥৩২॥
তথা সাবরণান্ কাংশ্চিত্তত্র তত্র বিশাংপতে।। রথান্ নাগাঃ সমাসাদ্য পরিগৃহ্য চ মারিষ। ॥৩৩॥
ব্যক্ষিপন্ সহসা তত্র ঘোররূপে ভয়ানকে। নরাংশ্চৈনিহশ্চাপি নিপপাত মহাগজঃ ॥৩৪॥
পর্ব্বতস্যেব শিখরং বজ্রভগ্নং মহীতলে। যোধা যোধান্ সমাসাদ্য মুষ্টিভির্ব্যহনন্ যুধি ॥৩৫॥
(বিশেষকম্)

কেশেষন্যোন্যমাক্ষিপ্য চিক্ষিপুর্বিভিদুশ্চ হ। উদ্যম্য চ ভুজানন্যে নিক্ষিপ্য চ মহীতলে ॥৩৬॥
পদা চোরঃ সমাক্রম্য স্ফুরতোহপাহরন্ শিরঃ। মৃতমন্যো মহারাজ। পদ্ভ্যাং তাড়িতবাংস্তদা ॥৩৭॥
(যুগ্মকম্)
পততশ্চাপরো রাজন্। বিজহারাসিনা শিরঃ। জীবতশ্চ তথৈবান্যঃ শস্ত্রং কায়ে ন্যমজ্জয়ৎ ॥৩৮॥

খুৎলায়না থাব-থিনবদা শামু অহু খুদক্ত মথল্লাই য়াওদমা লৈমায়থক্ত তুথখি ॥৩১॥ লাল্লাও অসিদা শামু তোংবা লাম্মীশিংনা থাঙপাক্ মানবা অতেনবা খুৎলায়বু কৈনা হাইরং লংঙক্‌না মনাক্তা লৈবা লালহুরিৎনা মশা পুম কূপ্পবা কনা কনাগুম্বা খোঙমীবু লৈমায়থক্ত মচেৎ মচেৎ থোক্না তাহল্লি ॥৩২॥ ঐকায় খুম্নবগী মশক্ ওইরবা নিংথৌ। অসিগুম্বা অকিবগী মশক্ কংলবা লাল্লাও অসিদা য়াং চাউরবা শামুশিংনা চেঙ্খিল্লকত্তুনা মথক্ কূপ্পবা অম্বারী-কীজংগা লোয়নননা, রথ অনী অনী অহুমহুম্মু মনাতোল্লা কোৎলগা থাংগৎত্তুনা উক্কক্ক লৈরগা লাক্ লাক্‌না লংশেকলকলি। অহুদগী মরিল লৈবা মখোঙ মখুৎ য়াম্না শিংলবা রথদা তোংলবা রথীনা থুনা য়াঙনা রথহুদগী চোংথোকহৌরগা য়েত্থুম মচীন শাবা তেল্লা কাপশিন কাপশিন্দুনা য়াং চাউরবা শামুহুদুম্ম লৈমায়থক্তা তুহল্লি। মথুত্তা খুৎলায় য়াওনজ্রবা লাম্মীশিং অহুনা অমগমগ থুত্তম্মা শু শুত্তুনা হাৎনরি ॥৩৩-৩৫॥ মহারাজ! লালকম্ কুরুক্ষেত্রগী ক্ষরি কয়িগুম্বা মকমদা লাম্মীশিংনা অমনা অমগী মশম লাক্ লাকত্তুনা চিংথুনরি। অহুগা কনাগুম্বনা মাগী য়েক্কবগী মশম্ অহু মখুদাংদা য়েচিল্লগা মখুৎ নাম্মনা অথৌবা খুৎলায় অম হাইগৎত্তুনা য়ানশিল্লি। অতোপ্ অতোম্ম লাম্মীশিংনা কল্লবা মপাম্বোম অনীহুনা মমাম্বা মশা করবা অমবু থাংগৎত্তুনা উক্কক্ক লৈহুনা লৈমায়থক্ত কম লংথরি। লোংখাক্ লোংনা তারবা লাম্মীহুগী মথবাক্তা মখোঙপাক্তা হাইগৎ হাইগৎত্তুনা কাওশিল্লি। মতম্ অতদা মবুক্ত চোংশিন্দুনা কম্নগা মখৌমী চনম্ য়েৎখায়হুনা নজ্রগা মখুৎ য়েৎনা থাঙশাং হাইগৎত্তুনা মতক অহুবু বলিগী শা ককপগুম্ ককলি। অহুমক্তদা পেল্লহুনা অশিবা হকচাং অহুবু মখোঙনা কাও কাওহুনা খয়ো মায়ো তলহল্লি ॥৩৬-৩৭॥ মহারাজ! লৈমায়থক্তা তুরবা য়েক্কবহুনা হৌগৎকে হোৎনরিভৈদা অতোপ্পা অমনা খায়োম্বগী হাইজিল্লকত্তুনা থাঙনা মাগী মতক ককলরি। কনাগুম্বা লাম্মী অমনা শিঙম নাঙমক্না কেৎ

মুষ্টিযুদ্ধং মহচ্চাসীদ্ যোধানাং তত্র ভারত ! । তথা কেশগ্রহশ্চোগ্রো বাহুযুদ্ধঞ্চ ভৈরবম্ ॥৩৯॥
সমাসক্তশ্চ চান্যেন অবিজ্ঞাততথাপরঃ । অহার সমরে প্রাণান্ নানাশস্ত্রৈরনেকধা ॥৪০॥
সংসক্তেষু চ যোধেষু বর্ত্তমানে চ সঙ্কুলে । কবন্ধান্যুত্থিতানি স্ম শতশোঽথ সহস্রশঃ ॥৪১॥
শোণিতৈঃ সিচ্যমানানি শস্ত্রাণি কবচানি চ । মহারাগানুরক্তানি বস্ত্রাণীব চকাশিরে ॥৪২॥
এবমেতন্মহাযুদ্ধং দারুণং শস্ত্রসঙ্কুলম্ । উন্মত্তগঙ্গপ্রতিমং শব্দেনাপূরয়জ্জগৎ ॥৪৩॥
নৈব স্বে ন পরে রাজন্ ! বিজ্ঞায়ন্তে শরাতুরাঃ । যোদ্ধব্যমিতি যুধ্যন্তে রাজানো জয়গৃদ্ধিনঃ ॥৪৪॥
স্বান্ স্বে জঘ্নুর্মহারাজ ! পরাংশ্চৈব সমাগতান্ । উভয়োঃ সেনয়োর্বীরৈর্ব্যাকুলং সমপদ্যত ॥৪৫॥
রথৈর্ভগ্নৈর্মহারাজ ! বারণৈশ্চ নিপাতিতৈঃ । হয়ৈশ্চ পতিতৈস্তত্র নরৈশ্চ বিনিপাতিতৈঃ ॥৪৬॥
অগম্যরূপা পৃথিবী মাংসশোণিতকর্দ্দমা । ক্ষণেনাসীন্মহীপাল ! ক্ষতজৌঘপ্রবর্ত্তিনী ॥৪৭॥

(যুগ্মকম্)

কেৎ হাইহুনা হিংহুনা লৈরিব। অমবু মতক ককতুনা থুনা য়াওনা শিহল্লি ॥৩৮॥ ভরতনন্দন ! অচুগী তুংদা চুমগী থাও তাগী তেলগী লাল থাদোরুহুনা খোঙপাক। খোঙপাক। থুত্নমৃগা থুত্নমৃগা গুনহুনা, মশম্-মশম্ পায়হুনা চিংখনহুনা অকিবা কংনা হকৃথেংনন। শোক্লবা ল্যাহোক্ল। অহু হৌরকলে ॥৩৯॥ কনাগুম্বা লাম্মী অমনা মমাম্নবা য়েক্লবা অমগা কম্ন। থেংনচনা লৈরিতৈহুমক্তদা অমন। ভুংলোমদগী লোয়্ন হোচ্চিল্লকতুনা থুংলায় ওংহোক্ ওম্বোক্‌পনা থাজিন্দুনা মথরাই লৌমি ॥৪০॥ মতৌ অসুম্না লাম্মীশিংনা লাম্লাওদা মীকূপ-মাকা থওদনা লাস্থেংনরক্লবা মতম্‌সিদা মীকূপ অমমম্‌দা কোক চাম চামনা লৈমায়থক্ত তারকপহুদা লালকম্ অহু কোক য়াওদবা হকচাংগুনা থুরক হাওদনা কূপথে ॥৪১॥ ঈনা পুমথৈ তৈরবা লালগী লালফুরিৎনচিংব। কীজোল মরাব অহুনা রক্তচন্দন কুঙকুমনচিংবনা মচু শঙলবগুম্না থোইদোক্ল। নীংথিজথি ॥৪২॥ মহারাজ ! মতৌ অসুম্না ঈথক ইপোমগা লোয়্নমরবা গঙ্গাগী ঈচেলগুম্না থুংলায় অমদি মীয়াউথোম্না পুম্নমিল পুম্নমিন নিল্লবা মহাযুদ্ধ অসি কম্ন চথরকলি, অসিগুম্বা লাম্লাওগী ঈয়াউথোম্না জগৎ শীহ্নংখ্রে ॥৪৩॥ মহারাজ ! মতুংদা ঈনা পুমলুপ লুপ্লরবা লাম্মীশিং অহুনা কনানা মাগী মীচওনো, কনানা মীগীনো হায়বা মশক খঙনরকত্রে। অহুনা লালকম্ অহুদা অকনবা ক্ষত্রিয়শিং অহুনা হাৎপা নত্রগা শিথিব। অসিগুনা লালগী উদ্দেশ্যানি হায়না খন্দুনা মথোঙ মরম খঙদনা পংহাত্ত হাৎনরকলে, পঙশিত্ত শিনরকলে ॥৪৪॥ অহুনা, মহারাজ ! মতুংদদি হাৎলগা লোইরে হায়হুনা ঐগীনি মাগীনি হায়বা থোইনা বিচার কূপ্ন তৌনরুবগী মতম লৈতহুনা মাগী মীচওবুসু পঙহাত্ত হাৎনরক্লে। অহুনা কৌরব পাণ্ডব পক্ষ অনীমকী অকন অকনবা রথী কাওবা লালগী নিয়ম কায়না লোক্ল-রক্লে ॥৪৫॥ মহারাজ ! অত্তেকৃপা রথনা, অশেম্বা শাগী শদূম্ মপৈ মপৈশী মওংদা শযোল শাম্র অমদি তাইবং মীশিংনা তা তাহুনা লৈবহুদা, অহুগা মাহুদা ঈনা থুকুউ য়োনা লৈথোম্ থোকহুনা লৈবহুদা মীকূপ অমগী মনুংদা, লালকম অহুদা চৎন চায়ননবা লম্বী লৈরক্লে ॥৪৬-৪৭॥

পাঞ্চালানহনৎ কর্ণস্ত্রিগর্ত্তাংশ্চ ধনঞ্জয়ঃ। ভীমসেনঃ কুরূন্ রাজন্। হত্যানীকঞ্চ সর্ব্বশঃ ॥৪৮॥
এবমেষ ক্ষয়ো বৃত্তঃ কুরুপাণ্ডবসেনয়োঃ। অপরাহ্ণে গতে সূর্য্যে কাঙ্ক্ষতাং বিপুলং যশঃ ॥৪৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
সঙ্কুলযুদ্ধে দ্বাবিংশোঽধ্যায়ঃ ॥৩২॥

——:*:——

মহারাজ! মতম্ অসিদা কর্ণনা পাণ্ডব পক্কী পাঞ্চালশিংবু অদুগা অর্জ্জুননা কৌরব পক্কী ত্রিগর্ত্তশিংবু তুম্না হাৎপা হৌরক্লে ॥৪৮॥ অমিৎনা চায়থরকলবদা, কৌরব পাণ্ডব পক্ক অনীমক্কী, জয়গী আশা তৌনরিবা, অমসুং মীংচৎ তাম্মরিবা অকল অথৌশিংগী পাক্কলদু মনীংদু শ্রীকৃপ খুদিংগী ময়ায় চায়থরক্লে ॥৪৯॥

মমম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা সঙ্কুলযুদ্ধগী কুননিথোইশুবা অধ্যায় লোইরে ॥

— — — —

ত্রয়োবিংশোঽধ্যায়ঃ।

কুনহুমদোই শুবা অধ্যায়

(অকনবা লান্থাও মথং)

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ।

অতিতীব্রাণি দুঃখানি দুঃসহানি বহুনি চ। ত্বত্তোঽহং সঞ্জয়াশ্রৌষং পুত্রাণাঞ্চৈব সংক্ষয়ম্ ॥১॥
যথা ত্বং মে কথয়সে যথা যুদ্ধঞ্চ বর্ত্ততে। ন সন্তি সূত! কৌরব্যা ইতি মে নিশ্চিতা মতিঃ ॥২॥
দুর্য্যোধনশ্চ বিরথঃ কৃতস্তত্র মহারণে। ধর্ম্মপুত্রঃ কথং চক্রে তস্য বা নৃপতিঃ কথম্ ॥৩॥
অপরাহ্ণে কথং যুদ্ধমভবল্লোমহর্ষণম্। তন্মমাচক্ষ্ব তত্ত্বেন কুশলো হ্যসি সঞ্জয়! ॥৪॥

ধৃতরাষ্ট্রনা হায় ঃ— সঞ্জয়! ঐনা ৱসি নংগী নচীন্নগী অকিবগী মশক্ ওইরবা তম্থিরবা লান্থাওদা ঐচাশিংগী মাঙন তাকপগী লানবাউ অসি তারে ॥১॥ সূত! সঞ্জয়! নংনা তম্লিবশিং অসিনা মচুম্নবদি হন্নকী কুরু ক্ষেত্রগী লান্থাও অসিদা কুরু বংশ লোইনা তুমলে হায়বসি অদুগা কৌরব লান্নী পুখত্রা লোইনা তুমলে হায়বসি খল্লে ॥২॥ করে, মসি থমুগো, যুধিষ্ঠিরনা দুর্য্যোধনবু রথ মাঙহন্দহনা থোঙনী অমত্তম্ নৈহনত্রে হায়বদি নংনা লীখরে। মতম্ অদুদা যুধিষ্ঠিরগা দুর্য্যোধনগা লানগী থৌদু অনীগিনা কররম্ থেংনখি? তাঙ্গা অদুদা ঐচা দুর্য্যোধনসি করম্বা লাচোংদা মথো তৌখি হায়বু সঞ্জয় ॥৩॥ সঞ্জয়! নংদে না তাওবদা ওয়োঙা মহৈক্ চুংবে। অদুনা অমিৎ অসিগী অমিৎ কুং-মচুগী উব তাবা চুম্লবা পোক্লবা লান্নী থবক্ অম্বা

সঞ্জয় উবাচ।

সংসক্তেষু চ সৈন্যেষু যুধ্যমানেষু ভাগশঃ। রথমস্থং সমাস্থায় পুত্রস্তব বিশাংপতে ॥৫॥
ক্রোধেন মহতা যুক্তঃ সবিষো ভুজগো যথা। দুর্য্যোধনস্তু দৃষ্ট্বা বৈ ধর্ম্মরাজং যুধিষ্ঠিরম্ ॥৬॥
প্রোবাচ সূতং ত্বরিতো যাহি যাহীতি ভারত। তত্র মাং প্রাপয় ক্ষিপ্রং সারথে। যত্র পাণ্ডবঃ ॥৭॥
ধ্রিয়মাণাতপত্রেণ রাজা রাজতি দংশিতঃ। স সূতশ্চোদিতো রাজ্ঞা রাজ্ঞঃ স্যন্দনমুত্তমম্ ॥৮॥
যুধিষ্ঠিরস্যাভিমুখং প্রেষয়ামাস সংযুগে। ততো যুধিষ্ঠিরঃ ক্রুদ্ধঃ প্রভিন্ন ইব কুঞ্জরঃ ॥৯॥
সারথিং চোদয়ামাস যাহি যত্র সুযোধনঃ। তৌ সমাজগ্মতুর্বীরৌ ভ্রাতরৌ রথসত্তমৌ ॥১০॥

(কুলকম্)

সমেত্য চ মহাবীর্য্যৌ সংরব্ধৌ যুদ্ধদুর্ম্মদৌ। ততক্ষতুর্মহেষ্বাসৌ শরৈরন্যোন্যমাহবে ॥১১॥
ততো দুর্য্যোধনো রাজা ধর্ম্মশীলস্য মারিষ। শিলাশিতেন ভল্লেন ধনুশ্চিচ্ছেদ সংযুগে ॥১২॥
তন্নামৃষ্যত সংক্রুদ্ধো হ্যবমানং যুধিষ্ঠিরঃ। অপবিধ্য ধনুশ্ছিন্নং ক্রোধসংরক্তলোচনঃ ॥১৩॥
অন্যৎ কার্ম্মুকমাদায় ধর্ম্মপুত্রশ্চমূমুখে। দুর্য্যোধনস্য চিচ্ছেদ ধ্বজং কার্ম্মুকমেব চ ॥১৪॥

(যুগ্মকম্)

লীখো ॥৪॥ সঞ্জয়না হায় :— মহারাজ ! তুমিৎনা চায়থরক্লবদা পক্ক অনীগী লাম্বীশিংনা নাক্পাক্ ভায়া কয় শোক্লয়রক্লবদা, নচা ঈবুঙো দুর্য্যোধননা মহু পূরবা লিনগী মতৌওয়া শাউথিহনা অতোপ্পা অকংবা রথ অমদা কপ হেক্ চোংথৎখিহনা অদুগা যুধিষ্ঠিরবু মমাংদা লৈবদু মরেক্ লানা উহনা সারথিদা অস্তুম্না হায়রকৈ :— "সারথি ! থুনা রাঙনা খৌজিল্লু । লানগী কিথেৎ লৈতেং পূরনা তিল্লবা, মথক্ত রাজছত্র খাল্লিবা, লানকম্দা মশেক্ মঙালপা লোয়ননা লৈরিবা যুধিষ্ঠির আসিগী নাক্ত ঐগী রথ অসি থুনা রাঙনা পূশিল্লু" মতৌ অদুম্না দুর্য্যোধনগী রাথং পিরবদা সারথিনা দুর্য্যোধনবু যুধিষ্ঠিরগী মমাংদা পূশিনখি । দুর্য্যোধননা অমুক্ মমায়ওনশিল্লক্পাহ উবদা মরায় কায়বা শামুগুম্না শাউরবা যুধিষ্ঠিরস্থ সারথিদা অস্তুম্না হায়রকই :— "সারথি ! আদা দুর্য্যোধনগী মমায় ওনশিল্লক্লিবসে অসোম্দা নংস্থ ঐগী রথসি খৌজিল্লু ।" অদুদগীদি মহারাজ ! শাগে অমত্তগী মচীন্নাও সারথি অকনবা অনীগী মুথা মুথি ওইনা লেপ্পত্তনা খোনবা হৌখয় ॥৫-১০॥ কনবা হৈবা মাররবা, লান্দা লাক্ওম্ কাওম্দবা, শাউবনা মৈ হৌরবা মহাধনুর্দ্ধারী ওইরবা যুধিষ্ঠির দুর্য্যোধন অনীসি অমগমগ তেন্ন কয় কয় খানবা হৌরক্লে ॥১১॥ ঈকায় খুম্নবগী মশক্ মশক্ ওইরবা মহারাজ । দুর্য্যোধনগী যথৌ শংলবা খৌরবা তেল অমনা যুধিষ্ঠিরগী লীক্রং অদুবু খুত্তম্ মথংমক্তদা কক্থৎখি ॥১২॥ মন্থ উবদা শাউবনা মৈ হৌরবা যুধিষ্ঠির অসি অতেক্পা লীক্রং অদু লংখোক্থগা অতোপ্পা লীক্রং অম পায়রৎতুনা, মমীত্ত ঈ কাহনা খৌরবা তেল অনী কাপশিল্লক্লুনা অমনা দুর্য্যোধনগী ফিবানবু অমনা লীক্রংবু মথম্ অমতনা কক্থৎখি ॥১৩—১৪॥ অদুদগী

অথান্তদ্ধনুরাদায় প্রত্যবিধ্যত পাণ্ডবম্। তাবন্যোন্যং সুসংরব্ধৌ শরবর্ষাণ্যমুঞ্চতাম্ ॥১৫॥
সিংহাবিব সুসংরব্ধৌ পরস্পরজিগীষয়া। অন্যোন্যং জঘ্নতুশ্চৈব নর্দমানৌ বৃষাবিব ॥১৬॥
অন্তরং মার্গমাণৌ চ চেরতুস্তৌ মহারথৌ। ততঃ পূর্ণায়তোৎসৃষ্টৈঃ শরৈস্তৌ তু কৃতব্রণৌ ॥১৭॥
বিরেজতুর্মহারাজ! কিংশুকাবিব পুষ্পিতৌ। ততো রাজন্! প্রতিভয়ান্ সিংহনাদান্ মুহুর্মুহুঃ ॥১৮॥
তলয়োশ্চ তথা শব্দান্ ধনুষোশ্চ মহাহবে। শঙ্খশব্দবরাংশ্চৈব চক্রতুস্তৌ নরেশ্বরৌ ॥১৯॥ (বিশেষকম্)

অন্যোন্যং তৌ মহারাজ! পীড়য়াঞ্চক্রতুর্ভৃশম্। ততো যুধিষ্ঠিরো রাজা পুত্রং তব শরৈস্ত্রিভিঃ ॥২০॥
আজঘানোরসি ক্রুদ্ধো বজ্রবেগৈর্দুরাসদৈঃ। প্রতিবিব্যাধ তং তূর্ণং তব পুত্রো মহীপতিম্ ॥২১॥
পঞ্চভির্নিশিতৈর্বাণৈঃ স্বর্ণপুঙ্খৈঃ শিলাশিতৈঃ। ততো দুর্য্যোধনো রাজা শক্তিং চিক্ষেপ ভারত! ॥২২॥
সর্বপারশবীং তীক্ষ্ণাং মহোল্কাপ্রতিমাং তদা। তামাপতন্তীং সহসা ধর্মরাজঃ শিতৈঃ শরৈঃ ॥২৩॥
ত্রিভিশ্চিচ্ছেদ সহসা তঞ্চ বিব্যাধ পঞ্চভিঃ। নিপপাত ততঃ সাথ স্বর্ণদণ্ডা মহাস্বনা ॥২৪॥ (কুলকম্)
নিপতন্তী মহোল্কেব ধ্যয়াজ্জ্বালাশিখাসমন্বিতা। শক্তিং বিনিহতাং দৃষ্ট্বা পুত্রস্তব বিশাংপতে। ॥২৫॥

দুর্য্যোধনস্থু অতোপ্পা লীরুং অমা লোথকুনা যুধিষ্ঠিরদা কয় কয় থাজিনবা হৌরক্লে। অসিগী তুংদা অকনবা অনীমক তেক্তনা নোং চুবগুম্ কাপশিন্নহুনা মশা মশাবু তেক্তনা পুম্নোম্ য়োম্হনখে ॥১৫॥ অদুদগী অনী অসি অমনা অমগী অহোবা-অকোয়বদু মুয় মুয় য়েংচনা হক্‌ৎ হন্দা চৎনব হৌরক্লে। মহারাজ! মখোয় অনীসি মাগী মাগী লীরাবু নাকোং মক য়োনা য়োনা চিংনরগা অতৎ অথম্ লৈতনা কাপ্নখিবদগী মশা মশাদু ঈনা পুমলুপ লুপ্তুনা, মশামউদু হোৎগাইখিনগা- ইনদুনা লানকম্ অদুদা অঙাঙবা মপান্ন থন্নবা কুয়াও পাম্বী অনীগুম্ থোকঈনা নিঙথিজবি। অদুদগী যুধিষ্ঠির দুর্য্যোধন অনীসি হয় হয়া সিংহনাদ লাউনদুনা কাপথোক্লরকপগী, লীয়ী খীঙনরকপগী, মোইবুং খোংনরকপগী মখোত্তনা লানকম্ অদু পুম্নিন নিনহনখরে ॥১৭-১৯॥ মহারাজ! অমগমগা কয় কয় চৈনা পিবা হৌরক্লে। অদুগী তুংদা শাউরবা যুধিষ্ঠিরনা বজ্রগী মতোঙ্গা কল্লবা থোরবা, মগীং লাকওমদবা তেল অহুম্ ছৎতুনা নচা ইবুঙো দুর্য্যোধনগী থবাক্তা থুম্না থাখি ॥২০॥ মতম্ অদুদা দুর্য্যোধনস্থু সনানা তেম্না পানবা থোরবা তেল মঙানা যুধিষ্ঠিরগী থবাক্ত কয় থাখি। অদুগী তুংদা অমুক দুর্য্যোধননা তাজিনস্থু তাখোকস্থু য়োক্তন শাবা শঙাইশেনগুবা, লুংজবা শাংজবা তা অমা পাইথৎতুনা লংশিন্নকই। পাইশিন্নক্লিবা তা অদুবু যুধিষ্ঠিরনা থোরবা তেল অহুম্না ককথৎতনা থাদখি। অদুদগী যুধিষ্ঠিরনা য়ায়া পুৎলৈগুনা থোরবা তেল মঙা অনুক ছুত্তনা দুর্য্যোধনদা থারকই। দুর্য্যোধনগী তা অদুদি তেক্তুনা মখোল্ হোনা লৈমায়থক তাখরে ॥২১-২৪॥ লৈমায়থক তারবা তেল অদু শাংজবা শঙাইশেল্ অমনা নোংমতোন্‌থকপী পাইথরক্লবা লৈমায়থক চাকুহুনা তাবগুম্ অদুগা মৈগী ময়োকলা চাক্লবা মৈমুম্না হংহুনা লৈবগুম্ লৈমায় থক্তা

নবভির্নিশিতৈস্তীক্ষ্ণৈর্বিব্যাধ যুধিষ্ঠিরম্। সোঽতিবিদ্ধো বলবতা শত্রুণা শত্রুতাপনঃ ॥২৬॥
দুর্য্যোধনং সমুদ্দিশ্য বাণং জগ্রাহ সত্বরঃ। সমাধত্ত চ তং বাণং ধনুর্দ্ধো মহাবলঃ ॥২৭॥
(বিশেষকম্)

চিক্ষেপ চ মহারাজ! ততঃ ক্রুদ্ধঃ পরাক্রমী। স তু বাণঃ সমাসাদ্য তব পুত্রং মহারথম্ ॥২৮॥
ব্যামোহয়ত রাজানং ধরণীঞ্চ জগাম হ। ততো দুর্য্যোধনঃ ক্রুদ্ধো গদামুদ্যম্য বেগিতঃ ॥২৯॥
বিধিৎসুঃ কলহস্যান্তং ধর্ম্মরাজমুপাদ্রবৎ। তমুদ্যতগদং দৃষ্ট্বা দণ্ডহস্তমিবান্তকম্ ॥৩০॥
ধর্ম্মরাজো মহাশক্তিং প্রাহিণোত্তব সূনবে। দীপ্যমানাং মহাবেগাং মহোল্কাং জ্বলিতামিব ॥৩১॥
(কলাপকম্)

রথস্থঃ স তয়া বিদ্ধো বর্ম্ম ভিত্বা স্তনান্তরে। ভৃশং সংবিগ্নহৃদয়ঃ পপাত চ মুমোহ চ ॥৩২॥
ভীমস্তমাহ চ ততঃ প্রতিজ্ঞামনুচিন্তয়ন্। নায়ং বধ্যস্তব নৃপ ইত্যুক্তঃ সংন্যবর্ত্তত ॥৩৩॥
ততস্ত্বরিতমাগম্য কৃতবর্ম্মা তবাত্মজম্। প্রত্যপদ্যত রাজানং নিমগ্নং ব্যসনার্ণবে ॥৩৪॥
গদামাদায় ভীমোঽপি হেমপট্টপরিষ্কৃতাম্। অভিদুদ্রাব বেগেন কৃতবর্ম্মাণমাহবে ॥৩৫॥

তাহনা লৈখি। মহারাজ! তা অহনা কাম্রদনা তাখিবহু উবদা শাউরবা দুর্য্যোধননা মখৌ শঙলবা তেল্ মাপলখক্লা যুধিষ্ঠিরদা তাখি। অমত ওইবা য়েক্লবা, কল্লবা দুর্য্যোধননা কল্লা খারক্পল্লদা য়েক্লবা ওম্না যুধিষ্ঠিরনা খৌরবা তেল্ অম মপা চুম্না লীরুংগী ময়ায় চপ্ চানা নিশান্ তৌহনা লৈখি ॥২৫-২৭॥ মহারাজ! অহুগী তুংদা খোইন শাউখরবা মতিক্ মগুণ্ চাউরবা ধর্ম্ম চেল্লবা যুধিষ্ঠিরনা, লীরুং ময়ায় চপ্ চানা নিশান তৌহনা চিঙহনা লৈরিবা তেল অহু খা ক্রক ক্রক চিকতুনা মপা চুম্না কাপশিল্লকই। তেল অহনা পাইশিল্লকতনা দুর্য্যোধনদা শাখিনা খারম্নগা কাওদোকখিহনা লৈমায়খক্ত তাখি। মতম্ অসিদা দুর্য্যোধন অসি বাহুখি। অহুদগী জ্ঞান তারক্না শাউবনা মমীৎ ঈ কাহনা লাল অসিত লোইশিল্লগে হায়বগী মতাওম্ মখম্ত চাউরবা গদা অম পায়খৎতুনা মাক্তবু উক্রকক লৈ লৈহনা যুধিষ্ঠির তম্না চেনশিল্লকই। মতম্ অদুদা চৈতুপ্ পাইবা, শাউরবা যমরাজনা চেনশিল্লকপ ওম্ দুর্য্যোধননা চেনশিল্লকপহ উবদা যুধিষ্ঠিরনা লংলখা, খৌরবা, শাংলবা শঙাইশেনওম্না মচিন্দা মৈরি খোক্লবা হুমতা অমা পাইখক্না দুর্য্যোধনগী মপা তম্না লংশিল্লকই ॥২৮—৩১॥ তা অহনা পাইশিল্লক্না দুর্য্যোধনগী থজিন্দা থুম্না লেংখি। মতম্ অদুদা দুর্য্যোধন অসি জ্ঞান রাওদনা বাহহনা তুখি ॥৩২॥ মতম্ অদুদা ভীমসেননা [illegible] নীতশিল্লক্না মরাখ যুধিষ্ঠিরদা অহম্না হায়রকই :—"রাজ্ং মহারাজ! [illegible] রাজুনা হাৎশিনদবা নত্তে, ঐনমি।" বাসি তাবদা যুধিষ্ঠিরসি তুরিম্না হন্দোকখি ॥৩৪॥ [illegible] ভীমসেনস্ত [illegible] পুম্নমক্ [illegible] চাউরবা গদা অহু পায়খৎতুনা

এবং তদভবদ্যুদ্ধং তাবকানাং পরৈঃ সহ। অপরাহ্ণে মহারাজ ! কালঘ্নং বিজয়ং প্রতি ॥৩৩॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি

সঙ্কুলযুদ্ধে ত্রয়োবিংশোঽধ্যায় ॥৩॥ *

কৃতবর্ম্মানা তৈরিবা অদোমুদা চেনশিনখি ॥৩৫॥ মহারাজ ! মতৌ অমুদা পঙ অনীমকী লাম্বীশিংনা অমনা অমম্ অম তৌখিপনি হায়বা আশা অসি থাযোন্নবনা মুনিং চায়মবা মঙ্গুমী লাল অহ মথ্ ই খুবাক হাপতুনা শোন্নমক্লি ॥৩৬॥

মকম্ অসিদা শ্রীমহাভারতকী শ্লোক লিশিং চাবনা শ্রীব্যাসনা শেংবা সংহিতাদা কর্ণ পর্ব্বদা "সঙ্কুলযুদ্ধ"গী মুনহমদোই তবা অধ্যায় লোইরে ॥

শ্রীমহাভারতম্

চতুর্বিংশোঽধ্যায়ঃ

কুনমরি শুবা অধ্যায়

(কর্ণ পর্ব্বদা অকনবা অহানবা মুমিংকী লাল)

সঞ্জয় উবাচ।

ততঃ কর্ণং পুরস্কৃত্য ত্বদীয়া যুদ্ধদুর্ম্মদাঃ। পুনরাবৃত্য সংগ্রামং চক্রুর্দেবাসুরোপমম্ ॥১॥

দ্বিরদ-নর-রথাশ্ব-শঙ্খ-শব্দৈঃ পরিহৃষিতা বিবিধৈশ্চ শস্ত্রপাতৈঃ।

দ্বিরদ-রথ-পদাতি-সাদি-সংঘাঃ পরিকুপিতাভিমুখাঃ প্রজহ্রিরে তে ॥২॥

সঞ্জয়না হায় :— মহারাজ ! মাহুনী তুংদা কৌরবকী লাম্বী পুরক্লা কর্ণ সেনাপতিনা মাথংথম্লনা চঙকপা মতম্ অসিদা অমুক্ হন্না দেবাসুরগী লান্দা চংনরম্বগুম্ লাল্লাম্বা অমুক্ লৌথে ॥১॥ পঙ অনীমকী শংগোল পাম্বী লাম্বীশিং, মরীশিং থোঙগীশিং অমসুং শংখ শাপ্লা মখোল ঙাম্না লেপনা পুং-শেন যাম্বী খোঙ্গেল্ মতম্ অমুক্ অমম্ অমা চংখিনা খিক চেমদা অরিন্ মথৌ ...

শিত-পরশ্বধ-প্রাসি-পট্টিশৈর্বিমুক্তৈরনেকবিধৈশ্চ সাদিতাঃ ।
দ্বিরদ-রথ-হয়া মহাহবে বরপুরুষৈঃ পুরুষাশ্চ বাহনৈঃ ॥৩॥
কমল-দিনকরেন্দু-সন্নিভৈঃ সিতদশনৈঃ সুমুখাক্ষিনাসিকৈঃ ।
রুচির-মুকুট-কুণ্ডলৈর্মহী পুরুষশিরোভিরলঙ্কৃতা বভৌ ॥৪॥
পরিঘ-মুষল-শক্তি-তোমরৈর্নখর-ভুশুণ্ডি-গদাশতৈর্হতাঃ ।
দ্বিরদ-নর-হয়াঃ সহস্রশো রুধিরনদীপ্রবহাস্তদাভবন্ ॥৫॥
প্রহত-রথ-নরাশ্ব-কুঞ্জরং প্রতিভয়দর্শনমুল্বণব্রণম্ ।
তদহিতহতমাবভৌ বলং পিতৃপতিরাষ্ট্রমিব প্রজাক্ষয়ে ॥৬॥
অথ তব নরদেব ! সৈনিকাস্তব চ সুতাঃ সুরসূনুসন্নিভাঃ ।
অমিতবলপুরঃসরা রণে কুরুবৃষভাঃ শিনিপুত্রমভ্যযুঃ ॥৭॥
তদতিরুচিরভীমমাবভৌ পুরুষবরাশ্ব-রথ-দ্বিপাকুলম্ ।
লবণজলসমুদ্ধতস্বনং বলমসুরামরসৈন্যসন্নিভম্ ॥৮॥

কুদোক্লহনা মপানৎপনগুবা চোংশিন চোংশিন্নুনা হাৎন গুনবা হোৎক্লে ॥২॥ লাঙ্গীশিং অহুনা খুদক্ খুদক্ত অকং অকংবা থৌরবা শীংজং, থাংশাং, থাংপাক্, তা, গদা, তেললচিংবা খুৎলাক্লনা শগোল শামু রথ অমদি তাইবং মীবু থুগাইরক্লে-হাৎলক্লে ॥৩॥ লালকম্ অহু মী মকোক্মকনা পুম্বুপ কুপথিহনা থোইনদ্রম্ মওং অম ওইনা য়েংবদা কল্লক্রে । তাবিবা কোক্ অমদি মমাম্বশিং অহু অমময়া থম্বালগুম্, সুমিৎ-থাগুম্ কৈজে । মমাশিং অহু ঙৌরোক্ ঙৌরোক্ ঙৌই । মায়খোংশিং অহুদা পাল্লিবা মীৎ, নাতোল, নাকোংশিং অদো য়েংবদা ওস্তোক্লা কৈজে । কোক্শিং অদো অমাম্বনা লুহপ্ কোয়েৎ জাৎ জাৎনা লৈতেংলি ॥৪॥ য়োচ্ছুক্, নুংমুক্ থাং, তা, শীংজং, গদা, য়োৎখি খুজিল, ছুরী অসিনচিংবনা কয় কয় য়াঙ্খিল থাজিম্নকপহুদা শামু লিশিং, শগোল লিশিং লিশিং, তাইবং মী লিশিং লিশিংনা মাগী মাগী মশাদগী চেম্বক্পা ঈগী ইরৈ কয়বা মকনদোগী ঈচেল অহুদা অহুম্ শহুম্ শহুম্ অমমম্ ওইনা তাউথরক্লি ॥৫॥ কৌরব পাণ্ডব পক্ক অনীমকী শগোল শামু মবীশিং অহু অমগমগ থানগুনরাম্ববহুদ। মশা মশাহু শিংগুপ্ শাবথিহনা মমীৎ কোথোক্লথিহনা, মনাতোন মনাকোং থদৎ কোয়দৎনথিহনা মভুংদা য়েংবদা অকিবা হংগোয়বা পোক্পা শক্কম পুনথি । অহুমা হাৎনশিন্নকপসিদা লালকম অহু মহামারীগী মতমদা থিকুপ খুদিংগী প্রজাগী মশিং হেননৎলক্পা যমরাজগী লৈপাক্ ফুমগারথে ॥৬॥ মহারাজ ! অদগী তুংদা মহারাজগী মকনব কৌরব লাম্বীশিংনা; লাইমচা অমমম্‌তবা নচা ইবুঙোশিংনা থাং থারহনা কৌরব লাম্বী অহু লাম্যকীনা সৈন্যিবা অদোমদা য়োচিনক্লে ॥৭॥ মতম অসিদা শগোল শামু রথনা

সুরপতি-সম-বিক্রমস্তত্ৰিদশবরাবরজোপমং যুধি ।
দিনকর-কিরণ-প্রভৈঃ পৃষৎকৈ রবিতমরোহ ভাহনচ্ছিনিপ্রবীরম্ ॥৯॥
তমপি সরথবাজিসারথিং শিনিবৃষভো বিবিধৈঃ শরৈবরন্ ।
ভুজগ-বিষ-সম-প্রভৈ রণে পুরুষবরং সমবাস্তৃণোত্তদা ॥১০॥
শিনিবৃষভশরপ্রপীড়িতাস্তব সুহৃদো বসুষেণমভ্যযুঃ ।
ত্বরিতমতিরথা রথর্ষভং দ্বিরদরথাশ্বপদাতিভিঃ সহ ॥১১॥
তদুদধিনিভমাদ্রবদ্বলং ত্বরিততরৈঃ সমভিদ্রুতং পরৈঃ ।
দ্রুপদসুতমুখৈস্তদাভবৎ পুরুষরথাশ্বগজক্ষয়ো মহান্ ॥১২॥
অথ পুরুষবরৌ কৃতাহ্নিকৌ ভবমভিপূজ্য যথাবিধি প্রভুম্ ।
অরিবধকৃতনিশ্চয়ৌ দ্রুতং তব বলমর্জ্জুনকেশবৌ সৃতৌ ॥১৩॥
জলদনিনদনিস্বনং রথং পবনবিধুতপতাককেতনম্ ।
সিতহয়মুপযান্তমন্তিকং হৃতমনসো দদৃশুস্তদারয়ঃ ॥১৪॥

থক্লবা; খোঙমী পরেং পরেংনা পুমলেং লেংলবা ; লাইহিংচাবা পক্ষ অনীগী তেঙ্গোল অনীগুম্বা, রাংচাউরবা ঈথরু থক্লবা, ইথক্ ইরাওখোম্না পুংনিন নিল্লবা লবণসমুদ্র অনীগুম্বা কৌরবপাণ্ডব পক্ষ অনীগী তেঙ্গোল অনীহুনা থাব্রাংননা লেপ্পবহুমক য়েংবদা ওস্তোক্লা নীঙথিজে ॥৮॥ মতম্ অসিদা ইন্দ্রগা মান্নবা মতিক্ মগুণ্ লৈরবা, মরিন মথৌনা লৈরবা, কর্ণ অসি অমময়া সুমিৎকী মত্তৌগুম্না লাংলবা তেলগী মপৈ মপৈনা, লান্দদি বিষ্ণুগী মতৌগুম্বা সাত্যকিদ হম্ন হম্ন কাপশিল্লকৈ ॥৯॥ মথুং থুরবা মরিল লৈরবা সাত্যকিসু অমময়া মহূ পুরবা লিলগী মতৌগুম্বা তেলমক্তনা শগোল সারথি রথগা লোয়ননা কর্ণদা কয়া কয়া থাজিল্লকৈ ॥১০॥ মহারাজ ! মহারাজগী অতিরথী কাওবা নচা ঈবুঙোশিং অসি সাত্যকিগী থুৎলায়না পানবদা থাওবা ওমদম্ভুনা মাগী মাগী শগোল শামু খোঙমী লান্মীগা লোয়ননা চেলশিল্লকুনা কর্ণগী আশ্রয় লৌখ্রে ॥১১॥ ঈপাকী শরুক্ অমনা সুংশিৎনা হুম্বদা মায়গৈ অমদা নোংখৎলকপগুম্না কৌরব তেঙ্গোল ঈপাক্লা কর্ণগী মায়গৈদা হায়জিল্লকলবসিদা ধৃষ্টদ্যুম্নচিংবা পাণ্ডব পক্ষগী অকনবা লান্মীশিংসিনা মাগী মাগী লান্মী মপৈগা লোয়ননা কৌরব লান্মীশিং অহুগী মতুং ইমহুনা ভামথি। চেমরকপা ভাম্নরকপসিমক্তা থেংজিন্নবদা মাও থাবা ভানবদা শগোল শামু রথী কয়া কয়া অহুম্ মথরাই থা থাহুনা লৈমায়থক্ত ভুহুনা লৈহৌরি ॥১২॥

মহারাজ ! মতম্ অসিদা নিপা অথোইবা কৃষ্ণ-অর্জ্জুন অনীসি সায়ংকালগী সন্ধ্যা উপাসনা লোইহুনা, জগদীশ্বর মহাদেবগী পূজা তৌরুরগা য়েক্কবপুম্বা ভুম হাৎলগে হায়না লেপ্পথিহুনা কৌরব লান্মী মপেয়োম্দা চঙশিল্লকৈ ॥১৩॥ অর্জ্জুনগী রথগী খোঞ্জেল ভাবদা কৌরব লান্মী

অথ বিস্ফার্য্য গাণ্ডীবং রথে নৃত্যন্নিবার্জ্জুনঃ ।
শরসংবাধমকরোৎ খং দিশঃ প্রদিশস্তদা ॥১৫॥

রথান্ বিমানপ্রতিমান্ মজ্জয়ন্ সায়ুধধ্বজান্ সসারথীংস্তদা বাণৈরভ্রাণীবানিলোঽধমীৎ ॥১৬॥
গজান্ গজনিয়ন্তৄংশ্চ বৈজয়ন্ত্যায়ুধধ্বজান্ । সাদিনোঽশ্বাংশ্চ পত্তীংশ্চ শরৈর্নিন্যে যমক্ষয়ম্ ॥১৭॥
তমন্তকমিব ক্রুদ্ধমনিবার্য্যং মহারথম্ । দুর্য্যোধনোঽভ্যয়াদেকো নিঘ্নন্ বাণৈরজিহ্মগৈঃ ॥১৮॥
তস্যার্জ্জুনো ধনুঃ সূতমশ্বান্ কেতুঞ্চ সায়কৈঃ । হত্বা সপ্তভিরেকেন ছত্রং চিচ্ছেদ পত্রিণা ॥১৯॥
অন্তরঞ্চ সমাসাদ্য ব্যস্থবৎ প্রাণঘাতিনম্ । দুর্য্যোধনায়েষুবরং তং দ্রৌণিঃ সপ্তধাচ্ছিনৎ ॥২০॥
ততো দ্রৌণের্ধনুশ্ছিত্বা হত্বা চাশ্বরান্ শরৈঃ । কৃপস্যাপি তদত্যুগ্রং ধনুশ্চিচ্ছেদ পাণ্ডবঃ ॥২১॥

পুন্নমক্ নিংদোল চেংগুম্ চেংগানখি, মিপাইনখি। মতম অসিদা কৃষ্ণনা সারথি ওইরিবা, অর্জ্জুনগী রথ অসিগী খোঞ্জেল-ইনিল্দি অচুগা চাকাগা লৈমায়গা তরুবগী মখোন্দি নোংখাকপা খোংবগী মত্তোঙুন্মি। মুংশিংকী ইপোম মরক্তা রথদা খেৎলিবা—ঘুংলিবা কিরালশিং অচুদা হাই হুয়: খোইনা নীঙথিজে। তৌরবা শগোল মরিনা রথ অচুবু পুশিল্লকলি ॥১৪॥ অচুগী মতুংদা অর্জ্জুনন গাণ্ডীব লীরুংবু লীরী হাপ্তুনা চিংলগা, তেন্দোংদগী তেলশিংবু মনম্ মনম্ ছুৎপগা, তেঞ্জা খোংবগা কায়গা ছুৎপগা অস্নুমা শয় শয়হুনা কাপথোরকপা তেলগী মপেমক্তনা মায়গী মরিবু নোংম-দোন মকোয় অসিবু কৃপহনখিহুনা কৌরব তেঙোল তয়া ফুজিল্লকই। মতম অসিদা অর্জ্জুন অাস য়েংবদা লালকম অতুদা জগোই শাগুন্মি ॥১৫॥ চাউরবা কল্লবা মুংশিংনা নোং মরাক্তু হাইদোকখিবগুমা অর্জ্জুননা মাগী তেন্তনা কৌরব পক্ষগী খুৎত খুৎলায়না থম্না হাপ্লবা রথ অমমন্থু, সারথি শগোল কিরালগা লোয়ননা মাঙহনবা থুদেকপা হোয়কলে ॥১৬॥ খুদক খুদক্তা মহাক্না কৌরব লান্মীশিং'গী শামু, শামু থৌরিবা, কিরাল্ মচা অচৌবা, শগোল শামু রথীশিংবু যমালয় য়ৌনবা হোৎনখিরে ॥১৭॥ মহারথী ওইরবা অর্জ্জুননা শাউবনা ঈ কারবা, মী অমনা থিংবা লাকপা কাওবা য়াদবগী মওংদা লৈরবদা অদুগা কনা অমত্তনা মমাঙদা চঙবা ঙমজবদা দুর্য্যোধন মথন্তনা চুমজিং চুরবা থৌরবা তেল মনম্ মনম্ কাপশিন কাপশিন অর্জ্জুনলোমদা চঙশিল্লকই ॥১৮॥ মতম অদুদা অর্জ্জুননা তেল তরেৎনা দুর্য্যোধনগী লীরুং, সারথি, শগোল মরি অদুগা কিরালবু ককথৎলগা থৌরবা তেল অমনা মহাকী রাং চাউরবা ছত্র অদু কক-থৎতুনা থাদখি ॥১৯॥ মরক্ তাঞ্জা অদুদা থরাই লৌবা য়ামবা তেল অমা ছত্তুনা দুর্য্যোধন তয়া মপা চুয়া কাপশিল্লকই। মতম অদুদা নায়োম্বগী অশ্বত্থামানা অর্জ্জুনগী তেল অদুবু মতুপ তরেৎ থোয়া ককথৎতুনা থাদখি ॥২০॥ অদুগী তুংদা অর্জ্জুননা তেল অমত্তনা অশ্বত্থামাগী লীরুংগা শগোলশিং অদুগা মীকুপ্ত মাঙহল্লগা অমযোম্দা অমুক কাপখিহুনা কৃপাচার্য্যগী অকিবগী মখক্

হার্দিক্যস্য ধনুশ্ছিত্বা ধ্বজঞ্চাস্যাবপাতয়ৎ । দুঃশাসনস্যেষসনং ছিত্বা রাধেয়মভ্যয়াৎ ।২২।

অথ সাত্যকিমুৎসৃজ্য ত্বরন্ কর্ণোঽর্জ্জুনং ত্রিভিঃ । বিদ্ধা বিব্যাধ বিংশত্যা কৃষ্ণং পার্থং পুনঃ পুনঃ ।২৩।

ন গ্লানিরাসীৎ কর্ণস্য ক্ষিপতঃ সায়কান্ বহূন্ । রণে বিনিঘ্নতঃ শত্রূন্ ক্রুদ্ধস্যেব শতক্রতোঃ ।২৪।

অথ সাত্যকিরাগত্য কর্ণং বিদ্ধা শিতৈঃ শরৈঃ । নবত্যা নবভিশ্চাগ্রৈঃ শতেন পুনরার্পয়ৎ ।২৫।

ততঃ প্রবীরাঃ পার্থানাং সর্ব্বে কর্ণমপীড়য়ন্ । যুধামন্যুঃ শিখণ্ডী চ দ্রৌপদেয়াঃ প্রভদ্রকাঃ ।২৬।

উত্তমৌজা যুযুৎসুশ্চ যমৌ পার্ষত এব চ । চেদিকারূষমৎস্যানাং কৈকেয়ানাঞ্চ যদ্বলম্ ।২৭।

চেকিতানশ্চ বলবান্ ধর্ম্মরাজশ্চ সুব্রতঃ । এতে রথাশ্বদ্বিরদৈঃ পত্তিভিশ্চোগ্রবিক্রমৈঃ ।২৮।

তাবন্তো বাগ্‌ভিরুগ্রাভিঃ সর্ব্বে কর্ণবধে ধৃতাঃ ।২৯। (কলাপকম্)

তাং শস্ত্রবৃষ্টিং বহুধা কর্ণশ্ছিত্বা শিতৈঃ শরৈঃ । অপোবাহাস্ত্রবীর্য্যেণ দ্রুমং ভঙ্‌ক্ত্বেব মারুতঃ ।৩০।

রথিনঃ সমহামাত্রান্ গজানশ্বান্ সসাদিনঃ । পত্তিব্রাতাংশ্চ সংক্রুদ্ধো নিঘ্নন্ কর্ণো ব্যদৃশ্যত ।৩১

তদ্ব্যাবানং পাণ্ডূনাং বলং কর্ণাস্ত্রতেজসা । বিশস্ত্রক্ষতদেহঞ্চ প্রায় আসীৎ পরাঙ্মুখম্ ।৩২।

ওইরবা লীক্লং অচ কক্‌খৎখি ।২১। অদুদগী অমুক মখোয়না মাগী মাগী অতোপ্প তৌথৎলিত্তৈদা অর্জ্জুননা কৃতবর্ম্মাগী লীক্লংখুসু কক্‌খৎখি। ফিরালগা শগোল মরিহুৎপু কক্‌কত্ত্‌না থাদখি। অদুদগী মখোয়সিনা হুইগুক য়েংগুক চাখিত্তৈদা দুঃশাসনগী লীক্লংবু ককথৎলগা কর্ণ তম্না অর্জ্জুন আসি চঙশিনখি ।২২। অদুদগীদি কর্ণনা সাত্যকিবু থাদোক্লগা অর্জ্জুনলোমদা গুঙ্গিলক্ত্‌না অর্জ্জুনদা তেল অহুম্না থাগা কুনথরা কৃষ্ণদা থাখি। অদুদগী কর্ণনা অর্জ্জুনদা মনম্ মনম্ থাজিল্লকলে ।২৩। শাউরবা ইন্দ্রগী মতৌগুম্না কর্ণনা য়েক্লবা কয়া হাংলকাগুবদা, খুৎলায় কয়া কয়া কাপলকাগুবদা মশাদা চোকখবা করিমত লৈখিদে ।২৪। অদুগী তুংদা সাত্যকিনা চঙশিল্লক্ত্‌না থৌরবা তেল মরিকুতথামাপম্না কর্ণদা থারগা অকিবগী মশক্ ওইরবা তেল চামনা অমুক কয়া থাজিল্লি ।২৫। অদুগী তুংদা পাণ্ডবপক্ষগী অকনবশিংনা কর্ণদা নৈবা হৌরকলে। যুধামন্যু, শিখণ্ডী, দ্রৌপদীগী মচাশিং, প্রভদ্রকশিং, উত্তমৌজা, যুযুৎসু নকুল, সহদেব, ধৃষ্টদ্যুম্ন, অদুগা চেদি, মৎস্য, কেকয়দেশগী লান্মীশিংনা কল্লবা চেকিতান, ধর্ম্ম চেল্লবা যুধিষ্ঠির মখোয় অসিনা মাগী মাগী থোঙমী লান্মী শগোল শামু থিবক্লা পূমকোয় কোয়শিল্লদুনা অয়াকপা অকনবা য়াহৈ কয়া কয়া লাউর লাউরদুনা কর্ণ তম্না হোচ্চিল্লক্ত্‌না মথল মথা অয়াম্বা খুৎলায়না কর্ণদা নৈব হৌরকলে ।২৬-২৯। কল্লবা কর্ণনা মখোয়শিংসিগী তেল ময়াম অদু কক্‌কত্ত্‌না ভুংশিৎনা নোং মপৈ মপৈবু হোইথিবগুম্না অদুক য়াবা অকনবশিংদুগী তেয়চিংবা খুৎলায়-শিং অদু লোইনা কৈয়েংননা হাইদোকহনখি ।৩০। মতম অসিদা কর্ণনা থোইনা শাউ-শিল্লদুনা অথৌবা লান্মীগা লোয়নননা শামু কয়া কয়াবু, অতোংবা অশ্বারোহী লান্মীগা লোয়ননা শগোল কয়া কয়াবু, থোঙমী কয়া কয়াবু খুদক্ত মপৈ মপৈ হাৎপা হৌরকলে ।৩১। কর্ণনা

অথ কর্ণাস্ত্রমস্ত্রেণ প্রতিহত্যার্জুনঃ স্মরন্ । দিশঃ খঞ্চৈব ভূমিঞ্চ প্রাবৃণোচ্ছরবৃষ্টিভিঃ ॥৩৩॥
মুসলানীব সংপেতুঃ পরিঘা ইব চেষবঃ । শতঘ্ন্য ইব চাপক্তে বজ্রাণ্যুগ্রাণি চাপরে ॥৩৪॥
তৈর্বধ্যমানং তৎ সৈন্যং সপত্ত্যশ্বরথদ্বিপম্ । নিমীলিতাক্ষমত্যর্থং বভ্রাম চ ননাদ চ ॥৩৫॥
নিষ্কৈবল্যং তদা যুদ্ধং প্রাপুরশ্বনরদ্বিপাঃ । হন্যমানাঃ শরৈরার্ত্তাস্তদা ভীতাঃ প্রদুদ্রুবুঃ ॥৩৬॥
ত্বদীয়ানাং তদা যুদ্ধে সংসক্তানাং জয়ৈষিণাম্ । গিরিমস্তং সমাসাদ্য প্রত্যপদ্যত ভানুমান্ ॥৩৭॥
তমসা চ মহারাজ ! রজসা চ বিশেষতঃ । ন কিঞ্চিৎ প্রত্যপশ্যাম শুভং বা যদি বাশুভম্ ॥৩৮॥
তে ত্রস্যন্তো মহেষ্বাসা রাত্রিযুদ্ধস্য ভারত ! । অপযানং ততশ্চক্রুঃ সহিতাঃ সর্বযোধিভিঃ ॥৩৯॥
কৌরবেষ্বপযাতেষু তদা রাজন্ ! দিনক্ষয়ে । জয়ং সুমনসঃ প্রাপ্য পার্থাঃ স্বশিবিরং যযুঃ ॥৪০॥
বাদিত্রশব্দৈর্বিবিধৈঃ সিংহনাদৈঃ সগর্জিতৈঃ । পরানুপহসন্তশ্চ স্তুবন্তশ্চাচ্যুতার্জ্জুনৌ ॥৪১॥

মাগী খুৎলায়না পাণ্ডব লাল্মীশিংবু হাৎপা হৌরক্লবদা, লাল্মী অয়াম্বা মখুত্ত খুৎলায় লৈরক্লে, অয়াম্বনা মশা মশাচ শিংগুপ শানখিহ্রনা মমায় ওন্দুনা চেন্নরে ॥৩২॥ অহুগী তুংদা অর্জ্জুননা মোমোন নোক্ত্না কর্ণগী তেল ময়াম অহ্র থিংহুনা কাপশিন্নকপসিনা অর্জ্জুনগী তেলমক্তনা মায়গৈ তরা পুন্নম্ মমৎপ্রে। লৈথক লৈখা মায়গৈ শলাই অমত মকম্ খণ্ডখিন্রে ॥৩৩॥ অর্জ্জুননা কপকক্লিবা তেলশিং অসিদি অয়াম্বনা য়োচ্ছুক য়েচ্ছুকমুক চাউই। খরনা সুংগুক-গদা অমমম্গুন্নি। খয়না তা অমমমগী মশক্লি, অহুগা খরনা অকিবগী মশক কংলবা বজ্র অমমম্ গুন্নি ॥৩৪॥ অর্জ্জুননা মাগী অগুকপা কংলবা তেলশিং অসিনা শগোল শাম্মু রথ-দোলাইগা লোয়নননা লাল্মী পুন্নমকপু হাচ্চিল্লক্লবদা কৌরব লাল্মী অয়াম্বা মমীৎ উইশিন্দুনা, সুংশাথীবা—মিপাইবা অহুগা কিবদগী লাউর লাউরহুনা মায়গৈ কাংনা চেন্নরকলে ॥৩৫॥ মতম অসিদা কুরুপক্ষগী শাম্মুশিং, শগোলশিং অহুগা খোগুমী লাল্মীশিং অহুনা ফুনগুনহাৎনবসিদগী মীকূপ অমত পোথাবা কংখিন্রে। অহুনা তৌনিগুাই লৈতহুনা অর্জ্জুনগী খুৎলায়না পাল্লবা লাল্মীশিংনা খাগুবা গুমদহুনা চেন্নরে। ॥৩৬॥ মহারাজ ! কৌরব লাল্মীশিংনা জয়গী আশা তৌহুনা অমুক্ শোক্লবা হৌরকপগা লোয়ন লোয়ননা সুমিৎসু অস্তাচলদা চায়থরক্লে ॥৩৭॥ মহারাজ ! সন্ধ্যায়াচগুবগী অমপ্বনা কূপশিল্লক্লবদা, অহুগা লাল্মীশিং শগোল শাম্মুশিংগী মখোগুগী উযুন্না পুন্নম্ মমথ্রবদা লাল্মীশিংনা অক কন্নবা কযিমত্তা উবথগুবা লৈখিন্রে ॥৩৮॥ ভরতনন্দন ! অহুদগী কৌরব লাল্মী অকনবশিংনা অহিংগী লাল শোক্লগক্লগদ্রা হায়না চিংনরকহুনা মাগী মাগী খোগুলোয় লাল্মীশিং অহ্র লালশঙ লাকশংদা থৈদোয়থে ॥৩৯॥ মহারাজ ! সন্ধ্যাগী মতম্ য়োরক্তুনা কৌরব লাল্মীশিংনা হাইদোক্ল-প্রবদা পাগুবশিংসু মাহুগী সুমিৎকী লাল্মা মায়পাকূপা কংহুনা মথ্বাই সুগুাইনা মাগী মাগী লালশংদা চগুহুনা পোথানখি ॥৪০॥ অকনবশিং অসিনা, সুমিৎ অহুগী লায় লোইশিনপ্রবদা

কৃতেঽবহারে কৌরব্যৈঃ সৈনিকাঃ সর্ব এব তে । আশীর্বাদৈঃ পাণ্ডবেষু প্রাযুজ্যন্ত নরেশ্বরাঃ ॥৪২
(যুগ্মকম্)

ততঃ কৃতেঽবহারে চ প্রহৃষ্টাস্তত্র পাণ্ডবাঃ । নিশায়াং শিবিরং গত্বা ন্যবসন্ত নরেশ্বরাঃ ॥৪৩॥

ততো রক্ষঃপিশাচাশ্চ শ্বাপদাশ্চৈব সংঘশঃ । জগ্মুরায়োধনং ঘোরং রুদ্রস্যাক্রীড়সন্নিভম্ ॥৪৪॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্বণি
কর্ণস্য প্রথমদিনযুদ্ধং নাম চতুর্বিংশোঽধ্যায়ঃ ।৩। *

—:-০-:—

নিথৌলাগী পূরমক্তা য়েরুথশিংবু য়োরক্তনা করেয়হনা, কৃষ্ণ অর্জুন অনীমক্কী মঙন শকতুনা, থাগত্নুনা পূংশেলযম্ন অয়াবা থোংছনা য়ৈরুনা, লোংশাগী থোরাউ অমুকক লাউহনা পাণ্ডবশিংগী আশীর্বাদ অমদি লৈশিলৈথোক্লুনা মাগী মাগী শিবির (লাহং) দা গোথানখি ॥৪১-৪২॥ পক্ক অনীমক্কী লাম্নীশিংনা মতৌ অমুয়া লাল লোইরবা তুংদা মথমাই যুংতাইনা মথুক্কীং থৌগৎনহনা মাগী মাগী লাহংদা অহিং অহুমা লেনখি ॥৪৩॥ অহুগী তুংদা অহিং অহুদা হিংচা য়াইতবা, ভূতপ্রেত, লাওবা, লমহাইনা রুদ্রগী শায়বম্ য়োংকমতবা মফম অহুদা হংগৎহন্দা চত্নুনা শায়খি ॥৪৪॥

মফম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণ পর্বদা কর্ণপ্রথমদিনযুদ্ধ" কৌবা কুন্নিশুবা অধ্যায় লোইরে ॥৩॥

—

শ্রীমহাভারতম্

পঞ্চবিংশোঽধ্যায়ঃ ।

মুল্লনশুবা অধ্যায়ঃ

(কর্ণগা দুর্য্যোধনগা য়াতানবা)

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ ।

যেন ক্ষুণ্ণেন নঃ সর্বানবধীদ্যুক্তমর্জুনঃ । ন যস্য সমরে মুচ্যেদন্তকোহপ্যাততায়িনঃ ॥১॥
পার্থস্যৈকোঽহরদ্ভদ্রামেকশ্চাগ্নিমতর্পয়ৎ । একশ্চেমাং মহীং জিত্বা চক্রে বলিভৃতো নৃপান্ ॥২॥
একো নিবাতকবচানহনদ্দিব্যকার্মুকঃ । একঃ কিরাতরূপেণ স্থিতং শর্বমযোধয়ৎ ॥৩॥
একো হ্যরক্ষদ্ভরতানেকো ভবমতোষয়ৎ । তেনৈকেন জিতাঃ সর্বে মহীপা হ্যুগ্রতেজসা ॥৪॥
ন তে নিন্দ্যাঃ প্রশস্যাস্তে যৎ তে চক্রুর্ব্রবীহি তৎ । ততো দুর্য্যোধনঃ সূত । পশ্চাৎ কিমকরোত্তদা ॥৫॥

সঞ্জয় উবাচ ।

হতপ্রহতবিধ্বস্তা বিবর্মায়ুধবাহনাঃ । দীনস্বরা দূয়মানা মানিনঃ শত্রুনির্জিতাঃ ॥৬॥

ধৃতরাষ্ট্রনা হায় ঃ— সঞ্জয় ! অর্জ্জুননা মান নীঙবা মতুংইদা ঐখোয়গী কৌরব লাম্মী খোখোৎপদু হাৎলরিনি। মরমদি খুৎলায় পায়রুনা লৈরবা অর্জ্জুনগী মকমদগী যমকাওবা মশামু কঙবা ঙমল্লিবনি ॥১॥ অর্জ্জুন মথন্তনা নিংথৌ ময়ামু ঙম্লুনা সুভদ্রা লৌখিবনি। মথন্তনা ইন্দ্রগী বন খাণ্ডবপু মৈদা নম্লুনা দান তৌদুনা অগ্নিদেবতাবু পেনহনখিবনি। অর্জ্জুন মথন্তনা পৃথিবীগী নিংথৌ ময়াম্ জয় তৌদুনা লোইপোৎ হানহনখিবনি ॥২॥ লাইগী ওইবা লাইনা লোইগদবা গাণ্ডীব লীক্রং পায়বা অর্জ্জুননা মথন্তনা নিবাতকবচশিংবু হাৎখি। অদুগা মথন্তনা শাদানবগী মশক্ লৌবা মহাদেবমক্তা তরেৎনি চুপ নম্‌খি ॥৩॥ অর্জ্জুন মথন্তনা ঘোষযাত্রাগী মতমদা গন্ধর্বগী মখুত্তগী দুর্য্যোধননচিংবগী মথরাই কনবিখিবনি। মথন্তনা মহাদেবমকা লান্থেংনদুনা মহাদেবমু পেনহন্‌খি। অয়য়বদু হাৎলৈদা মথন্তনা নিংথৌ ময়ামু জয় তৌখি ॥৪॥ অদুনা সঞ্জয় ! পাণ্ডবশিংগী মশাক নিন্দা তৌনরীভায় কম্মিন্ত লৈতে, পাণ্ডুগী মচাশিংদি থাগৎনীভায়গী থাগৎনীভায়মক্তনি। করে অসি পুরমক্, মতুং অসিদা দুর্য্যোধননা করি করি তৌখিবা অহ পুন্নকদু মথং মথং লীথকউ ॥৫॥ সঞ্জয়না হায় ঃ— মহারাজ ! অপোৎ মরল খুৎশু খুৎলায় মুন্ সিজবা, মশা লেকত য়াদনথৈ শোক্লবা, মথোঙ মথুং লোইদা তোক্থ-শিথরবা, লাগগী কীজোল

শিবিরস্থাঃ পুনর্মন্ত্রং মন্ত্রয়ন্তি স্ম কৌরবাঃ। ভগ্নদংষ্ট্রা হতবিষাঃ পদ্মাক্রান্তা ইবোরগাঃ ॥৭॥
(যুগ্মকম্)
তানব্রবীত্ততঃ কর্ণঃ ক্রুদ্ধঃ সর্প ইব শ্বসন্। করং করেণ নিষ্পীড্য প্রেক্ষমাণস্তবাত্মজম্ ॥৮॥
যত্তো দৃঢ়শ্চ দক্ষশ্চ ধৃতিমানর্জ্জুনঃ সদা। সংবোধয়তি চাপ্যেনং যথাকালমধোক্ষজঃ ॥৯॥
সহসাস্ত্রবিসর্গেণ বয়ং তেনাদ্য বঞ্চিতাঃ। শ্বস্ত্বহং তস্য সঙ্কল্পং সর্বং হন্তা মহীপতে! ॥১০॥
এবমুক্তস্তথেত্যুক্ত্বা সোঽনুজজ্ঞে নৃপোত্তমান্। তেঽনুজ্ঞাতা নৃপাঃ সর্ব্বে স্বানি বেশ্মানি ভেজিরে ॥১১॥
সুখোষিতাস্তে রজনীং হৃষ্টা যুদ্ধায় নির্যযুঃ। তেঽপশ্যন্ বিহিতং ব্যূহং ধর্ম্মরাজেন দুর্জয়ম্।
প্রযত্নাৎ কুরুমুখ্যেন বৃহস্পত্যুশনোমতম্ ॥১২॥
অথ প্রতীপকর্ত্তারং প্রবীরং পরবীরহা। সস্মার বৃষভস্কন্ধং কর্ণং দুর্য্যোধনস্তদা ॥১৩॥
পুরন্দরসমং যুদ্ধে মরুদ্গণসমং বলে। কার্ত্তবীর্য্যসমং বীর্য্যে কর্ণং রাজ্ঞোঽগমন্মনঃ ॥১৪॥

য়াওব্রবা, মথুত্ত থুংলায় লৈত্রবা, শগোল শায়ু য়থনচিংবা শাদোং লৈনব্রবা, বাব সুঙাইত্তবনা ব্রা ঙাওবা খোকৃত্রবা, খম্মোয় হকচাংদা লাঙতক্লয়বা, মীনা লাকৃচবদি য়াদবা, মপাঙল্দি ঈথোক্ খোকৃত্রবা, য়েক্লবনা থীনা লাকৃচখিব্রবা কৌরব লাম্বীশিং অসি অমময়া খোঙপাক্লা নেৎলম্ কাওয়মবা মহু পূরবা লিলঙয়া সুংঙাইত্তবগী সুংশা শোয় ফুইন ফুইনা হোন্দুনা মাগী মাগী লাঙুংদা মন্ত্রণা তৌখি ॥৬-৭॥ মখোয়তুগী মরক্তা খোইদোক্লা শাউরবা কর্ণনা মহু পুরবা লিলঙয়া সুংশা মপী ফুইনা হোন্দুনা মখুৎ অনী প্রোক প্রোক নৈথেক্লুনা দুর্য্যোধনগোম্দা য়েংহুনা অসুয়া হায়রকই:—॥৮॥ নিংথৌ। অর্জ্জুন হায়বা নিপাসে মুখিৎ চুম্ন জয় ওইননবগীদমক্তা চেত্যকশিন্না লৈ। মহাক অসে য়ায়া হৈশিংবনি, মশা উইরবা খাঙবা কল্লবা মীশক অমনি। অসিগী মথক্তা কৃষ্ণনা সহায় ওইহুনা তৌগদবা থবক পুম্বা তাকত্তুনা ঙাক্ত লৈরিবনি ॥৯॥ অহুবা নিংথৌ। ঙসিদি ঐখোয়না খরা খোঙ কোম্মিত্তৈদা ঐখোয়বু মহাক্লা লৌনম্ তৌহুনা ঙম্খিবা হায়বহুমদি খোকৃপ্রে। হয়েং, মাগী আশা সংকল্প পুম্বা থুগাইগনি ॥১০॥ কর্ণনা অসুয়া হায়রক্লবদা দুর্য্যোধননা "করে মরুপ, মাহুমকৃনি" অসুয়া হায়রগা মরাম্ পূম্বা পোথাক্লনবা য়াথং পীখ্রে। দুর্য্যোধনগী য়াথংগী মতুংইন্না অকন অথৌ পুম্বা মাগী মাগী লাঙুংদা চঙহুনা পোথানখি ॥১১॥ অহিং অহুমা চনীঙ তানা তুমহুনা পোথানক্লগা নোংঙাল্লকপদা অয়ুক্কী তৌগদবা কর্ম্ম পূম্নমক তৌরগা লানকম্দা চোংখোকনরক্ল,না য়েংবা মতমদা করি উবগে হায়বদু পাণ্ডব শক্কী অখোইয়া যুধিষ্ঠির অসি য়ায়া চেত্যকশিন্না বৃহস্পতি অমদি শুক্রাচার্য্যগী মত মতুং ইন্না মীবা চঙবা ওয়্দরা ব্যূহ অহু শাবা লোইহুনা লৈরম্লে ॥১২॥ মতম্ অহুদা য়েক্লবা ওবা দুর্য্যোধননা অর্জ্জুনগী লাম্বা ওইহুনা চোংখোকপল্লা খরাইদগী মভাকু চায়বা কল্লবা, শক্লাঙগুম্ মুংযেং কল্লবা কর্ণবু নীঙশিংঙখী ॥১৩॥ দুর্য্যোধনগী পুক্নীং অসি মতম অসিদা লাম্বা ইন্দ্রগী মথৌঙম্ শিংলবা,

সর্বেষামেব সৈন্যানাং কর্ণমেবাগ্রমমনঃ । সূতপুত্রং মহেষাসং বন্ধুমাত্যমিবেদিব ।১৫।

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ ।

যদে ।ৎগমমনো মন্দাঃ । কর্ণং বৈকর্ত্তনং প্রতি । অপাপশ্যত রাধেয়ং শীতার্ত্তা ইব ভাস্করম্ ।১৬।
কৃতেঽবহারে সৈন্যানাং প্রবৃত্তে চ রণে পুনঃ । কথং বৈকর্ত্তনঃ কর্ণস্তত্রাযুধ্যত সঞ্জয় । ।১৭।
কথঞ্চ পাণ্ডবাঃ সর্ব্বে যুযুধুস্তত্র সূতজম্ । কর্ণো হ্যেকো মহাবাহুর্হন্যাৎ পার্থান্ সসৃঞ্জয়ান্ ।১৮।
কর্ণস্য ভুজয়োর্বীর্য্যং শক্রবিষ্ণুসমং যুধি । তস্য শস্ত্রাণি ঘোরাণি বিক্রমশ্চ মহাত্মনঃ ।১৯।
কর্ণমাশ্রিত্য সংগ্রামে মত্তো দুর্য্যোধনো নৃপঃ দুর্য্যোধনং ততো দৃষ্ট্বা পাণ্ডবেন ভৃশার্দ্দিতম্ ।২০।
পরাক্রান্তান্ পাণ্ডুসুতান্ দৃষ্ট্বা চাপি মহারথঃ । কর্ণমাশ্রিত্য সংগ্রামে মন্দো দুর্য্যোধনঃ পুনঃ ।২১।
জেতুমুৎসহতে পার্থান্ সপুত্রান্ সহকেশবান্ । অহোবত মহদ্দুঃখং যত্র পাণ্ডুস্তান্ রণে ।২২।
নাতরদ্রভসঃ কর্ণো দৈবং নূনং পরায়ণম্ । অহো দ্যূতস্য নির্ব্বেদং ঘোরং সংপ্রতি বর্ত্ততে ।২৩।
(কলাপকম্)

সুংশিৎকী মতৌঙম্ শাফু কল্লবা, মপাঙ্গল মথৌনাদা কার্ত্তবীর্য্যার্জ্জুনগা পাংথক্ ওইরবা কর্ণগী নাক্ত হায় অদুম্ য়োঙ্গে ॥১৪॥ অমুক করি হায়গনি অরাবা ভাবরা মতমদা ভাইবং মীনা মাগী চায়রবা মরূপ্‌পু নীঙশিঙডকপা অহঙম্ব দুর্য্যোধননা মতম্ আসিদা মহাধনুর্দ্ধারী অকনবা কর্ণবু নীঙশিংখি। ৭ডহৌদনা মাগী পুক্নীং অহ কর্ণগী নাক্ত য়োখি ॥১৫॥ ধৃতরাষ্ট্রনা হংঙি—সঞ্জয়! কৌরব লাম্মী পুম্নমক্না অমদি ঈচা দুর্য্যোধননা বৈকর্ত্তনবু নীঙশিংঙকপা মতমসিদা, নিংথম্বনা থক্ থক্ নীক্রবা মীনা নুমিৎকী মঙাল ফংবদা সুংঙাইবহঙম্ব কর্ণগা উনখিত্রা? ॥১৬॥ সঞ্জয়! অহানবগী লান্ন লোইপ্রবদা অদুগা মথংগী লাল অমুক্ তৌবা হৌরকপসিদা কর্ণদি কদায়দা কনাগা শোক্লহুনা লৈখি? ॥১৭॥ পাণ্ডবশিংগা কর্ণগা শোক্লবসিমক্তি মতৌ করম্না শোক্লখি? অকনবা কর্ণ মহাক্না কম্ন মশোক্লরবদা মথন্তনসু সৃঞ্জয় লাম্মীশিংগা লোয়নননা পাণ্ডবশিংবু তুম্ন হাৎপা ঙমমম্‌গদবনি ॥১৮॥ কর্ণগী মপাম্বোম্‌গী পাঙ্গল্দি ইন্দ্র অমদি বিষ্ণুগী পাঙ্গলগা পাংথকনি। মহাকী মপাঙ্গল মথৌনা অহুগা থুৎলায়দি অকিবগী মশক্নি ॥১৯॥ দুর্য্যোধননা কর্ণগী পাঙ্গলগী মথক্ত ভোংজুনা লালদা জয় ওইনবা কম্না চোক্‌শিন্ন হোৎনখি হায়বসু তা়। যুধিষ্ঠিরনা দুর্য্যোধনবু য়াম্না লাকৃচনা তৌখিবহু উবদা অদুগা মতীকমঙণ চাউরবা পাণ্ডবশিংনা তৌশিন্নক-লিবসি উবদা কর্ণনা করি করি তৌখি? ॥২০॥ ওহোকপা হায়বহুনি সঞ্জয়! আঃ! পঙলবা দুর্য্যোধননা ভীষ্মদ্রোণগুম্বা অকনবনা ভুপ্রবদা কর্ণগী মথক্তা আশা পুথ থমহুনা পাণ্ডবশিংবু কৃষ্ণমক্তা লোয়নননা জয় তৌগনি হায়না থনখিবদো মাহুমক্না হেক্তা অঙকপা হায়বহু ওইব্রে। অদুগা সঞ্জয়! থবাইদগী হেন্না অমুক্ রাবা সুংঙাইতবনা করিনো হায়বদা কর্ণনা কন য়াম্না কল্লুনমু পাণ্ডবশিংবুমক্ত জয় তৌবা ঙমখিদবদো অহুনি। অদুনা, ঋষে, সঞ্জয়। "লাইনা

অহো ভীষ্মাণি দুঃখানি দুর্য্যোধনকৃতান্যহম্ । যে ত্বা যোচামি বচনঃ পর্য্যাকুলানি সঞ্জয় । ।২৪।
সৌবলক তদা তাত । নীতিমানিতি মন্যতে । কর্ণশ্চ যতসো নিত্যং রাজানমনুব্রতঃ ।২৫।
যদেবং বর্তমানেষু মহাযুদ্ধেষু সঞ্জয় । । অশ্রৌষং নিহতান্ পুত্রান্ নিত্যমেব চ নির্জিতান্ ।২৬।
ন পাণ্ডবানাং সমরে কশ্চিদস্তি নিবারকঃ । স্ত্রীমধ্যমিব গাহন্তে দৈবন্তু বলবত্তরম্ ।২৭। (যুগ্মকম্)

সঞ্জয় উবাচ

রাজন্ ! পূর্বনিমিত্তানি ধর্মিষ্ঠানি বিচিন্তয় । অতিক্রান্তং হি যৎ কার্য্যং পশ্চাচ্চিন্তয়তে নরঃ ।
তচ্চাস্য ন ভবেৎ কার্য্যং চিন্তয়া চ বিনশ্যতি ।।২৮।।
তদিদং তব কার্য্যন্তু দূরপ্রাপ্তং বিজানতা । ন কৃতং যত্ত্বয়া পূর্বং প্রাপ্তাপ্রাপ্তবিচারণম্ ।।২৯।।

অদুম্ থোক্উ" হায়না তমখিবদো অহ্ নত্তনা কবিমত নত্রে। ওহোক্পনি। সঞ্জয়। অদি পূরমক্ অসে অহৈগী শায়খিবা মমথাক্-চৌথম অদো, অহুগী মহৈনি ।২১-২৩। সঞ্জয়। মীগী মশাদা ভিংথংনা নত্রগা য়োগীনা মৈশিলখদা কাওবা চৈয়াখোলহুগা চপ্ মান্নবা চৈনাখোল অদো, কক্কবা পত্তলবা ঐগী ইচা দুর্য্যোধননা মাগী কক্কবা খামবা থোদোনা ঐগী খম্মোয়দা হৌজিক কাওবা শীহুনা আক্লি। ঈবুঙো সঞ্জয়। অদুম্ থোক্উ হায়বহুনা পত্তলবা দুর্য্যোধননা শকুনিবু রাজনীতি য়াম্না খঙবা মীশক অমনি হায়না লৌখি। অহুগা কন্নে শিংলে হায়রিবা কর্ণ অহুমু দুর্য্যোধননা হায়বতদ অহুম্ য়াহুনা লৈগ্রবনি ।২৫। হৌজিকসু সঞ্জয়। নংগী নচীঙগী চুমিৎ খুদিংগী ঈচাশিং খর লৈরিবশিংসিগী মথং মথং শিখিবগী পাউত তারক্লি। ঈচাশিংনা সিমতংদি ওমূলে হায়খসি তাক্লি। পাণ্ডবশিংনা ওমূথে চেনখে হায়বা অসিওবা পাউ অসিত ঐনা তারক্লি। কম কমহুনবু কৈদৌনি সঞ্জয়। কনা অমত্তনা পাণ্ডবশিংগী মঙুংদা অমত্তবু খিংবা ওমক্লি, হাংপদি হায়রকসু। ঐগী পাক্ চাউরবনি হায়রিবা তেজোল মরক চত্তকপাসিদি পাণ্ডবশিংদদি চুগী অত্তাং মরক্তা চত্ত্বত্তম্ থোক্লে। খবাম খম্না শাংলবা পুখ্রিদা শামু অমত্তনা চত্তখিবত্তম্ থোক্লে। অহুনা সঞ্জয়। ঐগী মততদি "লাইবক্ত তমূখিবা" হায়বলে, বাসিনা মকপ্পে। নিপা থোক্না খবক্ তৌবা ককা হায়বসে তুক্ মহায়বা হায়বহুনি ।২৬-২৭। সঞ্জয়না হায় ঃ—মহারাজা। অদরাজনা খন্নুনা অহুম মহেংখিয়ু। মহারাজনা হৌজিক্ থাখিরিবসিগী অহানবগী কারণশিং অহুনা পাণ্ডবশিংগী মকমদদি ধর্মগী লম্বীদা লেপ্তনা চুম চৎহনবগী কারণহুম্ ওইখি। করে, কায়খে মহারাজ। হৌখ্রবগীদমক্ত থাকবা, অনুতাপ তৌরবগী কবিমত কায়বা লৈতে। হৌখ্রবগীদমক্ত কনা. থাক্তহুনম্ব মাহু, অহুক্ হন্নকলহোইদৌবনি। থাকখিবশিং অহুম্ থাম্নুনা চিন্তা তৌন তৌনা অহুম্ মথিখি ।২৮। পাণ্ডবশিংগী লৌথী ইংখোল অমাদি মখোয়গী কংকম

উক্তোঽসি ভবতা রাজন্! বা যুধ্যেতি পাণ্ডবৈঃ। গৃহীতে ন চ তস্মোহাবতনক বিশাংপতে॥ ৩০॥
যথা শস্ত্রাণি ঘোরাণি সমাচীর্ণানি পাণ্ডুষু। যৎকৃতে বর্দ্ধতে ঘোরঃ পার্থিবানাং জনক্ষয়ঃ॥ ৩১॥
তদিদানীমভিজ্ঞায় যা ভবেৎ তবৰ্ষভ॥ শৃণু সর্ব্বং যথা বৃত্তং ঘোরং বৈশসমদ্ভুতম্॥ ৩২॥
প্রত্যাক্রামং ধনঞ্জয় কর্ণো রাজানমভ্যয়াৎ। সমেত্য চ মহাবাহুর্দুর্য্যোধনমথাব্রবীৎ॥ ৩৩॥

কর্ণ উবাচ।

অদ্য রাজন্! সমেষ্যামি পাণ্ডবেন যশস্বিনা। নিহনিষ্যামি তং বীরং স বা মাং নিহনিষ্যতি॥ ৩৪॥
বহুত্বান্মম কার্য্যাণাং তথা পার্থস্য ভারত॥ নাভূৎ সমাগমো! মম চৈবার্জ্জুনস্য চ॥ ৩৫॥
ইদন্তু মে যথাপ্রাজ্ঞং শৃণু বাক্যং বিশাংপতে॥ অনিহত্য রণে পার্থং নাহমেষ্যামি ভারত॥ ৩৬॥
হতপ্রবীরে সৈন্যেঽস্মিন্ ময়ি চাবস্থিতে যুধি। অভিযাস্যতি মাং পার্থঃ শক্রশক্ত্যা বিনা কৃতম্॥ ৩৭॥

থোকপা শরুক কাওবসু নম্মুনা লৌবা হায়বসে মাম চুম্দবনি অমদি ওইম্ম ওইথোক্কে হায়বসি খণ্ডম খণ্ডন অপাম্বা কন্নকৃপনা থুম্থৎপিম্মনা, তুংদা মাসি মাসি থোক্লনি হায়বগী বিচার ইত্তো তৌহৌদবগী মহৈদো হৌজিক কংখিবতনি ॥২৯॥ মহারাজ! পাণ্ডবশিং মথামক্লা লাক্ত্রনা মহারাজদা "লান থোক্তনবা শীনবিয়ু" হায়বসি হন হন্না হায়জখিবনি। অদুবু মহারাজ! মথোম্মনা হায়জবত্তুবু মহারাজনা নাকোংমক্তদা হাপ্পিখিদে ॥৩০॥ অসিগী মথক্তা মহারাজদি পাণ্ডু মচাশিংগী মকম্দা চৎলোইদৌবা নত্তবা মক্তা তৌখিথেনা! অদুনা, মহারাজগী হাক্তগী অমুক্ মাঙ্গা লৈপাক নিংথৌ কয়াগী লাম্নী কয়া কয়াগী মপুনশি তেনপ্রবনি ॥৩১॥ অদুবু, প্রজাবু কুংশিখিবা ঈনিংথৌ। হৌপ্রবমুদি হৌথে, লোইথে, মাহুগীদমক্ থোইনা বাক্কন্ থোক্লে। অহনা হৌজিক্তি কর্ণনা সেনাপতি ওইরিবৈদ। হাৎনফুনখিবা শিনখিবগী কানীদো মথং তাখিদো ॥৩২॥ মহারাজ! অহিং অহু ঊচিন্নাচিন্না লেন্নবদা নোং হেক্ ভানবদা, মপাথোম্ চাউরবা কন্নবা কর্ণ অসি দুর্য্যোধনগী নাক্ত হেক লাকই। মকম অদুদা লাক্লগা কনি হায়রবগে হায়রবু:—
॥৩৩॥ নিংথৌ! ওসিদি ঐ লাম্দা মমীং চৎলবা কন্নবনি হায়না কাওরিবা অর্জ্জুনগা থেংনগে। ওসিগী লাম্দা মানা ঐবু হাৎথে—হাৎথে, ঐনা মাবু হাৎলে—হাৎলে ॥৩৪॥ ভারত খাটৈবী অথোইবা ঐনা অর্জ্জুনগা অসিগুম্বা লান্নাও অমদা যুধা মুখি ওইনা থেংবদে, মাখা ঐগীবু থবক মাগ্রা চিন্নবা পক্তনা অমুক থোকখিদ্রে ॥৩৫॥ ভরতনন্দন! মকনবা! তাও, ঙসিদি মা হাৎলমদ্রনা ঐ লাম্দা অসিদা অমুক হল্লিরকনথোইদ্রোবনি ॥৩৬॥ হৌজিক্তি ঐথোয়গী লাম্দা থোক্তনবগী অকনবশিংগু অমাবা শিঙ্গবখিবা ঐগী ইন্দ্রনা পীবা যুৎনাম অদুবু লৈত্রবখিবা ঐনা কনিবা লান্নক্লা তোংখোকথবদি অর্জ্জুনদি ঐতোপ্তোমুদা লোয়দনা চত্তকনবনবদি ॥৩৭॥

ততঃ শ্রেয়স্করং যচ্চ তন্নিবোধ জনেশ্বর ।। আয়ুধানাঞ্চ মে বীর্য্যং দিব্যানামর্জুনস্য চ ।৩৮।
কার্য্যস্য মহতো ভেদে লাঘবে দূরপাতনে । সৌষ্ঠবে চাস্ত্রপাতে চ সব্যসাচী ন মে সমঃ ।৩৯।
প্রাণে শৌর্য্যে চ জ্ঞানে চ বিক্রমে চাপি ভারত ।। নিমিত্তজ্ঞানযোগে চ সব্যসাচী ন মৎসমঃ ।৪০।
সর্বায়ুধমহামাত্রং বিজয়ং নাম মে ধনুঃ । ইন্দ্রার্থং প্রিয়কামেন নির্ম্মিতং বিশ্বকর্ম্মণা ।৪১।
যেন দৈত্যগণান্ রাজন্ ! জিতবান্ বৈ শতক্রতুঃ । যস্য ঘোষেণ দৈত্যানাং ব্যামুহ্যন্ত দিশো দশ ।৪২।
তদ্ভার্গবায় প্রাযচ্ছচ্ছক্রঃ পরমসম্মতম্ । তদ্দিব্যং ভার্গবো মহ্যমদদদ্ধনুরুত্তমম্ ।৪৩। (যুগ্মকম্)
তেন যোৎস্যে মহাবাহুমর্জ্জুনং জয়তাং বরম্ । যথেন্দ্রঃ সমরে সর্বান্ দৈতেয়ান্ বৈ সমাগতান্ ।৪৪।
ধনুর্ঘোরং রামদত্তং গাণ্ডীবাত্তদ্বিশিষ্যতে । ত্রিঃসপ্তকৃত্বঃ পৃথিবী ধনুষা যেন নির্জ্জিতা ।৪৫।
ধনুষো যস্য কর্ম্মাণি দিব্যানি প্রাহ ভার্গবঃ । তদ্রামো হ্যদদন্মহ্যং যেন যোৎস্যামি পাণ্ডবম্ ।৪৬।
অদ্য দুর্য্যোধনাহং ত্বাং নন্দয়িষ্যে সবান্ধবম্ । নিহত্য সমরে বীরমর্জ্জুনং জয়তাং বরম্ ।৪৭।
সপর্বতবনদ্বীপা হতবীরা সসাগরা । পুত্রপৌত্রপ্রতিষ্ঠা তে ভবিষ্যত্যদ্য পার্থিব ! ।৪৮।

নিংথৌ । তাও, মঙ্গল ওইনবা য়াদো ঐ হায়গে । ঐগা অর্জ্জুনগা অনীগী খুৎলায়দি শক্তিদা গুণদা চপ্ মান্নবনি ॥৩৮॥ অদুদা, য়েক্লবগী আক্রমণবু অশেন্দা তাহনবা, য়াম্না খুৎ থুনা কান্ন', কাপথোরকপা লংথোরকপা খুৎলায়বু লাপ্প লাপ্প য়ৌহনখিবা, লাল্লোং মখল মখল পুখোকপা, ব্রহ্মাস্ত্র শীজিন্নবা, বিষয়শিং অসিদদি অর্জ্জুনদি ঐগা চাংদম্নবা য়াব নত্তে, মান্নদে ॥৩৯॥ অদুগা কনবদা, থোনা কবদা, য়েক্লবগী অহোবা অকোম্বা য়েংবদা, য়েক্লববু ভুমনবগী উপায় খিনরকপদা অর্জ্জুননা ঐগা মান্নবা নত্তে ॥৪০॥ খুৎলায় পুম্নমক্কী মচুংদা অথোইবা "বিজয়" কীকুংদো ঐগী লৈরি । কীকুং অসে ইন্দ্রগীদমক্তা বিশ্বকর্ম্মা মখুৎম ক্না শাখিবনি ॥৪১॥ নিংথৌ । কীকুং অসি পায়দুনা ইন্দ্রনা দৈত্যদানব কয়া কয়া জয় তৌখিবনি । কীকুং অসিগী মখোল হেক তাবদা দৈত্যদানব কয়াগী জ্ঞান ভ্রষ্ট ওইরিবনি ; মায়গৈ শরাই খণ্ডনদবনি । ইন্দ্রনা বিজয় হায়বা কীকুং অসি পরশুরামদা পীখিবনি । গুরুদেব পরশুরামনা কর্ণ ঐগোন্দা অমুক পীবিরকপনি ॥৪২ – ৪৩॥ অদুনা ইন্দ্রনা কীকুং অসি পায়দুনা দৈত্যদানব ময়াম্না থেংনখিবদো অদুগুম্না ঐশু খুৎলায় অসি পায়দুনা কন্নবা, লাল ভুম্বশিংগী মকোক ওইবা অর্জ্জুনগা থেংনগে ॥৪৪॥ পরশুরামনা পীবিরম্বা কীকুংসে অর্জ্জুনগী গাণ্ডীবদগীসু হেন্না কন্নবা-কবনি । ময়মদি পরশুরামনা কীকুং অসি পায়দুনা পৃথিবীগী ক্ষত্রিয়শিংগী মীয়োল কুনমাথোইরক হাত্তুনা পৃথিবীবু কুম্মাথোইরক জয় তৌখিবনি ॥৪৫॥ গুরুদেব পরশুরামনা খুৎলায় অসিগী গুণ তাহনে তাহন্না মাসি ঐগোন্দা পীবিখি । অদুনা নিংথৌ । মাসি পায়দুনা ভসি ঐ অর্জ্জুগা থেংনগনি ॥৪৬॥ অদুনা, মরুপ । দুর্য্যোধন । নিংথৌ । ভসি ঐনা অকনবা লালভম্বা অর্জ্জুনবু হাৎলগা নহাকপু মুংভাইহনগে পেলহনগে ॥৪৭॥ নিংথৌ । ভসিদি নহাক্কী য়েক্লবা অচৌবা পূবা ঈপুবা

প্রাপকস্য ছিদ্যন্তে যেনেহ সর্ব্বশত্রবঃ বিশেষতঃ । সম্যগ্ধর্ম্মানুরক্তস্য সিদ্ধিরাত্মবতো যথা ॥৪৯॥
নহি মাং সমরে সোঢ়ুং স শক্তোঽগ্নিং তরুর্যথা । অবশ্যন্তু ময়া বাচ্যং যেন হীনোঽস্মি ফাল্গুনাৎ ॥৫০॥
জ্যা তস্য ধনুষো দিব্যা তথাক্ষয্যৌ মহেষুধী । সারথিস্তস্য গোবিন্দো মম তাদৃঙ্ন বিদ্যতে ॥৫১॥
তস্য দিব্যং ধনুঃ শ্রেষ্ঠং গাণ্ডীবমজরং যুধি । বিজয়ঞ্চ মহদ্দিব্যং মমাপি ধনুরুত্তমম্ ॥৫২॥
তত্রাহমধিকঃ পার্থাদ্ধনুষা তেন পার্থিব ! । যেন চাভ্যধিকো বীরঃ পাণ্ডবস্তন্নিবোধ মে ॥৫৩॥
রশ্মিগ্রাহশ্চ দাশার্হঃ সর্ব্বলোকনমস্কৃতঃ । অগ্নিদত্তশ্চ বৈ দিব্যো রথঃ কাঞ্চনভূষণঃ ॥৫৪॥
অচ্ছেদ্যঃ সর্ব্বতো বীর ! বাজিনশ্চ মনোজবাঃ । ধ্বজশ্চ দিব্যো দ্যুতিমান্ বানরশ্চ ভয়ঙ্করঃ ॥৫৫॥
কৃষ্ণশ্চ জগতঃ স্রষ্টা রথং তমভিরক্ষতি । এতৈর্দ্রব্যৈরহং হীনো যোদ্ধুমিচ্ছামি পাণ্ডবম্ ॥৫৬॥
অয়ন্তু সদৃশঃ শৌরেঃ শল্যঃ সমিতিশোভনঃ । সারথ্যং যদি মে কুর্য্যাদ্ধ্রুবস্তে বিজয়ো ভবেৎ ॥৫৭॥

শিগ্রগদবনি । অহুগা চৌঙ-মাম-ভুমেল, বন, উপান, সমুদ্র ঊরম্ ভরেংকা লোয়নরবী পৃথিবীসে নখুত্তা ভারবনি । অমুক রাম্বা রাজ্যসম্পত্তি অসে আ-নচানশু কদায় কাওবগী পিতৃসম্পত্তি ওইদুনা লৈনচোয়গদবনি ॥৪৮॥ দুর্য্যোধন ! ঐনা ভম্মোইদোবা করিগুম্বা অমত লৈতে । মাসে নংগী পেম্নবগীদমক্তনি । ধর্ম্মদা পুক্রিং চঙবা, চেকশিনবা, দেশকাল পাত্র য়েংদুনা থবক্ তৌবশিংগী থবক্তা শোয়দনা মহৈ য়ানবা-পাঙথোকপা অহুগুম্বা নংগী থবকসু লোইনা পাঙথোক্লদোবনি । ॥৪৯॥ উজাওনা মৈগা শীংনব ওবদবয়ুগুম্বা অর্জ্জুননা ঐগী মাঙদা লেপ্প ভম্মোই অদুবু অর্জ্জুনদগী ঐনা হৈবা শরুক্ অহুসু ঐনা হায়কম্ থোকই ॥৫০॥ অর্জ্জুনগী লীক্রংগী লীমীদি খ্বাইদগী কব কনবনি । মাগী তেন্দোং অনী অমা অমাঙ লৈতবনি । মাগী সারথি অম কৃষ্ণনা ওইরি । হায়দিবসিজগদি ঐগীদি অমত ওইদে ॥৫১॥ মাগী গাণ্ডীব হায়বা লীক্রংসে লাইরেমাকী পোশক্নী । লাল্লা অমনা কক্পা য়াদে । তৌবগীদি ঐগী বিজয় হায়ব লীক্রং অসিসু লাইগী পোৎনি কনথবা শজওবনি গ্বাইদগীসু কবনি ॥৫২॥ নিংথৌ ! লীক্রং অসিগী পাম্বেনা বিযয় অসিমদদি ঐনা অর্জ্জুনদগী হেনবনি । অদুদা, অর্জ্জুননা কর্ণ ঐখোয়গী হেনখিবা হীরম্শিংদো পুক্রিং চঙনা তাও শারতা জগৎ পুম্বনা মক লৌকখিবা কৃষ্ণনা মহাকী সারথি ওইরি । মাগী রথ অসে সনাতনা পুম্নৈ ওইনা শাবা অগ্নিদেবনা পীখিবনি ॥৫৪॥ অকনবা ! নিংথৌ ! মহাকী রথদি কক্পা য়াদে, শগোলশিংসু পুক্রিংজন্ রাঙবনি, পুক্রিংগী মথা পোন্‌বনি । মাগী কিরান্দ্র অকিবগীমশক্নি, অমক তৈলিজা ময়োকী মুর্ত্তিসু অকিবগী মশক্নি ॥৫৫॥ মুনি ঋষি পুম্নমক্না, জগৎকী সৃষ্টিকর্ত্তানি হায়না কিক্ত তৌনখিবা, প্রমাণ তৌনখিবা কৃষ্ণনা মাগী সারথিনি । মাবু হীরম্ পুম্বদা ওাক্শেমদুনা ঙাকই । হীরম্শিং অসিনা ঐনা অর্জ্জুনদগী হৈ । অদুবু নিংথৌ ! ঐদি মাগা শোয়দনা লানথোকনি ॥৫৬॥ অদুনা কৃষ্ণগা চপ্ মান্নবা সারথিগী থবক্ তৌবা শল্যনিংথৌওনা ঐগী

তস্য মে সারথিঃ শল্যো ভবত্বসুকরঃ পরৈঃ। নারাচান্ গার্দ্ধ্রপত্রাংশ্চ শকটানি বহন্তু মে ॥৫৮॥
রথাশ্চ মুখ্যা রাজেন্দ্র! যুক্তা বাজিভিরুত্তমৈঃ। আয়ান্তু পশ্চাৎ সততং মামেব ভরতর্ষভ! ॥৫৯॥
এবমভ্যধিকঃ পার্থাদ্ভবিতাস্মি গুণৈরহম্। শল্যোঽপ্যভ্যধিকঃ কৃষ্ণাদর্জ্জুনাদপি চাপ্যহম্ ॥৬০॥
যথাশ্বহৃদয়ং বেদ দাশার্হঃ পরবীরহা। তথা শল্যো বিজানীতে হয়চিত্তং মহারথঃ ॥৬১॥
বাহুবীর্য্যে সমো নাস্তি মদ্ররাজস্য কশ্চন। যথাস্ত্রৈর্মৎসমো নাস্তি কশ্চিদেব ধনুর্দ্ধরঃ ॥৬২॥
তথা শল্যসমো নাস্তি হয়জ্ঞানে হি কশ্চন। সোঽয়মভ্যধিকঃ পার্থাদ্ভবিতি রথো মম ॥৬৩॥
সমুদ্যাতুং ন শক্ষ্যন্তি দেবা অপি সবাসবাঃ। এবং কৃতে রথস্থোঽহং গুণৈরপ্যধিকোঽর্জ্জুনাৎ ॥৬৪॥
ভবেয়ং বিজয়েয়ঞ্চ ফাল্গুনং কুরুসত্তম!। এতৎ কৃতং মহারাজ! ত্বয়েচ্ছামি পরন্তপ! ॥৬৫॥
(যুগ্মকম্)

ক্রিয়তামেব কামো মে মা বঃ কালোঽত্যগাদয়ম্। এবং কৃতে কৃতং সাহ্যং সর্ব্বকামৈর্ভবিষ্যতি ॥৬৬॥
ততো দ্রক্ষ্যসি সংগ্রামে যৎ করিষ্যামি ভারত!। সর্ব্বথা পাণ্ডবান্ সংখ্যে বিজেষ্যে বৈ সমাগতান্ ॥৬৭॥

সারথি ককা ওইরবদি ঐ অর্জ্জুনবু জয় তৌবা ঙম্‌গনি ॥৫৭॥ অচুনা অকনবা শল্যবু ঐগী সারথি ওইহল্লু। অদু নত্রবদি অতোপ্পা ঐগী সারথি মতিক্ চানা ওইবদি পাক্ ঙম্মোই। অচুগা অতোপ্পা রথ কয়া কয়াদা ঐগী য়েত্তুম্ মচিন্ শাবা তেমচিংবা খুৎলায়দো পীক্ পীক্ থম পুহল্লু ॥৫৮॥ ভরত শাগৈগী অথোইবা নিংথৌ! ঐগী তুংদা ফয়কয়বা শগোলনচিংবা রথ কয়া কয়া পরেং পরেং শেম্‌শাদুনা লৈহল্লু ॥৫৯॥ অদুম্ তৌরবদি পোশকা গুণশা অনীমক্তা ঐনা অর্জ্জুনদগী হেল্লগনি। সারথিগী থবক্ত শল্যনা কৃষ্ণদগী হেনবনি, মহারথী—রথী ওইবদা ঐসু অর্জ্জুনদগী হেনবনি ॥৬০॥ য়েক্লবা ভগা অকনবা কৃষ্ণনা শগোলগী তত্ত্ব অমদি মশিঙ্গা খঙবহুত্তয় শল্যসু লোইনা খঙবনি ॥৬১॥ খুৎলায়দা, তেনগী লান্দা কর্ণ ঐগী ইপা কনা অমত্ত লৈতবা অহুত্তয়া মপান্মোম্ কনবদা শল্যগা মান্নবা কনা অমত্ত লৈতবনি খঙ্‌ঙ, ॥৬২॥ শগোলগী খম্মোয় শিংলিগী অমদি মরিনগী মরম্‌দা শল্যগা মান্ননা খঙ্‌ব কনা অমত্ত লৈতবনি। অচুনা শল্যগনা অমুক সারথি ওইরবদি অর্জ্জুনগী মপোৎ মচে পুম্নমক্তগী ঐগীনা হেল্লবনি ॥৬৩॥ শল্যনা সারথি ওইরবদি ইন্দ্রমক্তা লান্দা ঐগী মাঙদা লেপ্পা ঙম্মোই। অচুনা কৌরব শাগৈগী অথোইবা! ঐনা হায়রিবসি তৌরবদি ঐনা রথ মথক্ত হেক্ কয়দগী অর্জ্জুনদগী হেল্লবনি হায়বসি অহুম্ মথত্তেঙা। অচুনা য়েক্লবা ভগা! য়েক্লব ভম্‌নিংবা! ঐনা হায়রিবসি থোক্‌হল্লু জম ওইদু ॥৬৪-৬৫॥ অচুনা নিংথৌ! তৌগদবা লৈয়বদি খুনা তৌ, মতম্ অসি হৌখিদলোয়ে। হায়রিবশিংসি তৌরবদি মথোর অসিনা ঐগী ইত্তেং হায়বদো অহুম্ মওইরনি ॥৬৬॥ ভারতনন্দন! অহুম্ তৌরবদি মতম্ অমদা ঐনা তৌরকপলো লায়না উবা ফংগনি। শয়া হায়রবদা ঐ পাণ্ডবশিংবু জয় তৌগে,

নহি যে সমরে শক্তাঃ সমুদ্যোদ্ধুং সুরাসুরাঃ। কিমু পাণ্ডুসুতা রাজন্! রণে মানুষযোনয়ঃ ॥৬৮॥

সঞ্জয় উবাচ।

এবমুক্তস্তব সুতঃ কর্ণেনাহবশোভিনা। সংপূজ্য সম্প্রহৃষ্টাত্মা ততো রাধেয়মব্রবীৎ ॥৬৯॥

দুর্য্যোধন উবাচ।

এবমেতৎ করিষ্যামি যথা ত্বং কর্ণ! মন্যসে। সোপাসঙ্গা রথাঃ সাশ্বা অনুযাস্যন্তি সংযুগে ॥৭০॥

নারাচান্ গার্দ্ধ্রপত্রাংশ্চ শকটানি বহন্তু তে। অনুযাস্যাম কর্ণ! ত্বাং বয়ং সর্ব্বে চ পার্থিবাঃ ॥৭১॥

সঞ্জয় উবাচ।

এবমুক্ত্বা মহারাজ! তব পুত্রঃ প্রতাপবান্। অভিগম্যাব্রবীদ্রাজা মদ্ররাজমিদং বচঃ ॥৭২॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি

কর্ণদুর্য্যোধনসংবাদে পঞ্চবিংশোঽধ্যায়ঃ ॥০॥ *

ঐনা হায়রিবসি খ্ন্না পাণ্ডবোক্উ ॥৬৭॥ "নিংথৌ! লাইহিংচাবশিংমক্তা কর্ণ ঐগী মাঙদা কুইনা লেপ্পা ঙম্মোয়; তাইবং মী পাণ্ডবশিংগীদি অমুক্ করি হায়গনি" ॥৬৮॥ সঞ্জয়না হায় :— মহারাজ! লালকম্গী লৈতেং ওইরবা লৈয়বা কর্ণনা অসুম হায়রক্লবদা নচা ঈবুঙো দুর্য্যোধন অসি থোইদোক্না নুংঙাইখিরনা কর্ণবু হন্ন হন্ন থাগত্ন্না অসুমা হায়খি ॥৬৯॥ কর্ণ! অকনবা! মরূপ্! হায়রিবা পুম্মমক্তা ঐনা শোয়দনা অমত্ত রাঙনা তৌগনি। তেল তেন্দোং থাং তান থল্লবা রথ (গাড়ী) লিশিং লিশিং নংগী নতুংদা লেম্ শাত্নুনা ঙাইহন্‌গনি ॥৭০॥ "অদুগা কর্ণ! রথ কয়া কয়ানা য়েত্ন্‌ম্ মচিন শাবা তেল থন্ন থন্ন হাপ্ন্না নতুং ইলহনগনি। ঐনা লাম্মী নিংথৌ পুম্বা নংগী নতুং ইন্না চৎহনগনি" ॥৭১॥ সঞ্জয়না হায়:— মহারাজ! মতিক্ মঙল চাউরবা নচা ঈবুঙো দুর্য্যোধননা কর্ণদা অসুম্না হায়রগা শল্যগী মকম্‌দা রা অসি হায়খি ॥৭২॥

মকম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক্ লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণ পর্ব্বদা "কর্ণ দুর্য্যোধন সংবাদ" গী কুন্‌মঙা শুবা অধ্যায় লোইরে ॥

শ্রীমহাভারতম্

ষড়্বিংশোঽধ্যায়ঃ।

(কুনতরুক শুবা অধ্যায়)

(শল্যবু কর্ণগী সারথি হান্নগী ঋতাং)

সঞ্জয় উবাচ।

পুত্রস্তব মহারাজ! মদ্ররাজং মহারথম্।
বিনয়েনোপসংগম্য প্রণয়াদ্বাক্যমব্রবীৎ ॥১॥
সত্যব্রত! মহাভাগ! দ্বিষতাং তাপবর্দ্ধন!।
মদ্রেশ্বর! রণে শূর! পরসৈন্যভয়ঙ্কর! ॥২॥
শ্রুতবানসি কর্ণস্য ব্রুবতো বদতাং বর!।
যথা নৃপতিসিংহানাং মধ্যে ত্বাং বরয়াম্যহম্ ॥৩॥
(যুগ্মকম্)

স ত্বামপ্রতিবীর্য্যাদ্য শত্রুপক্ষক্ষয়ায় চ।
মদ্রেশ্বর! প্রযাচেঽহং শিরসা বিনয়েন চ ॥৪॥
তস্মাৎ পার্থবিনাশার্থং হিতার্থং মম চৈব হি।
যং শাহি-সর্বতঃ কর্ণং ত্বং রক্ষেব সুরক্ত। ॥৫॥
সারথ্যং রথিনাং শ্রেষ্ঠ! প্রণয়াৎ কর্ত্তুমর্হসি।
যদি কর্ত্তরি রাধেয়ো দ্বিষদ্বো মে বিজেষ্যতে ॥৬॥
অভীষূণাং হি কর্ণস্য গ্রহীতান্যো ন বিদ্যতে।
ঋতে হি ত্বাং মহাভাগ! বাসুদেবসমং যুধি ॥৭॥

সঞ্জয়না হায়:—মহারাজ! নচা ঈবুঙো দুর্য্যোধননা মদ্ররাজ শল্যগী মকম্‌দা চঙবিদুনা যায়া নোঙ্গুঙা অহুম্না হায়খি ॥১॥ অচুম্ব তাঙ্‌বা! রাশক চেৎপা! লাইবককবা! য়েক্কবা ওবা! য়েক্কব। লান্নাশিংগী কিনকম্ ওইবা! অকনবা! য়াত্তাং হৈবা! মদ্রদেশগী নিংথৌ! নিংথৌ লান্নী খুঁইগী মথাঙদা কর্ণনা হায়খিবদো অহুম্ন লোইনা তাবিয়খিনি; কায়দে, শম্না হেক্ক হায়জগে কর্ণনা অকনবা মহাকপু মাগী সারথি ওইহন্জনীতত্তি ॥২-৩॥ মীনা খাত্তরুদবা থৌনা লৈবা! য়েক্কবা ওয়নবগীদমক্তা ঐনা ত্তসি অকনবা মহাকী নকথদা খুৎলোয়না কোকথক নোয় হায়জখি যাশি য়াক্কবা তৌবিনু ॥৪॥ রাশক চেৎপা! মথাঙৈদা ত্রিপুরাসুর হাৎথৌদা ব্রহ্মাযনা মহাদেবগী সারথি ওইখিবদুওয়া অর্জ্জুনবু হাৎকদৌরিবগিদা কর্ণগী সারথি অমুক্ত ওইবিয়ু! ব্রহ্মানা সারথি ওইন ওইনা মহাদেববু ঙাকশেনখিবদুওয়া সারথি ওইন ওইনা কর্ণবু অমুক্ত ঙাকশেনবিয়ু ॥৫॥ রথী অথোইবা! কর্ণগী সারথি ওইবিয়ু হায়না হায়জরিবনি অকনু অমাং শাংহ্নুনা হায়জবা মতে, তুংশিনবিয়কনি হায়না থম্নুনা হায়জরিবনি। দুংশিনবিবদগীদু য়াথি-গদৌরিবনি। অকনবা নহাক্না সারথি ওইবিয়গতদ কর্ণনা অর্জ্জুনবু জয় তৌবা ঙমজগদৌরিবনি। অকনবা বরোম্বা আশাপূব থম্‌হনা জয় তৌগনি হায়না থম্লুকখীনি ॥৬॥ লাইবক্কবা! পুং-চেক্কাউবা! লাক্করি অহুগা সারথি ওইবদগি অকনবা মহাক্তি কৃষ্ণগী থোইনা তাবখি!

ত্বং প্রাপ্য সর্বথা কর্ণং যথা ব্রহ্মা মহেশ্বরম্। যথা চ সর্বথাপৎসু বার্ষ্ণেয়ঃ পাতি পাণ্ডবম্।
তথা মদ্রেশ্বরাদ্য ত্বং রাধেয়ং প্রতিপালয় ॥৮॥

ভীষ্মো দ্রোণঃ কৃপঃ কর্ণো ভবান্ ভোজশ্চ বীর্য্যবান্। শকুনিঃ সৌবলো দ্রৌণিরহমেব চ নো বলম্ ॥৯॥
এষামেব কৃতো ভাগো নবধা পৃথিবীপতে। ন চ ভাগোঽত্র ভীষ্মস্য দ্রোণস্য চ মহাত্মনঃ ॥১০॥
অতিক্রম্য তু তৌ ভাগৌ নিহতা মম শত্রবঃ। বৃদ্ধৌ হি তৌ মহেষ্বাসৌ ছলেন নিহতৌ যুধি ॥১১॥
কৃত্বা চাসুকরং কর্ম গতৌ স্বর্গমিতোঽনঘ। তথান্যে পুরুষব্যাঘ্রাঃ পরৈর্বিনিহতা যুধি ॥১২॥
অস্মদীয়াশ্চ বহবঃ স্বর্গায় গমিতাঃ পরৈঃ। ত্যক্ত্বা প্রাণান্ যথাশক্তি চেষ্টাং কৃত্বা চ পুষ্কলাম্ ॥১৩॥
তদিদং হতভূয়িষ্ঠং বলং মম নরাধিপ। পূর্বমপ্যল্পকৈঃ পার্থৈর্হতং কিমুত সাম্প্রতম্ ॥১৪॥
বলবন্তো মহাত্মানঃ কৌন্তেয়াঃ সত্যবিক্রমাঃ। বলং শেষং ন হন্যুর্মে যথা তৎ কুরু পার্থিব ॥১৫॥
হতবীরমিদং সৈন্যং পাণ্ডবৈঃ সমরে বিভো। কর্ণো হ্যেকো মহাবাহুরস্মৎপ্রিয়হিতে রতঃ ॥১৬॥

অহুনা অকনবা নহাক নত্তনা কর্ণগী রথগী শগোলচুম্বী পায়গ্নুনা সারথি ওইবদা মতৌক চাবা কনা অমত্ত লৈত্রবনি ॥৭॥ মদ্ররাজ ! ব্রহ্মানা সারথি ওইদুনা ত্রিপুরাসুরগী লাম্বা মহাদেবগী ওাকলো ওইথিবদুগুমা অকনব: নহাকসু কর্ণবু ঙাকপিয় । অর্জ্জুননা থুদোংথীবদা হেক হেক ঙাকশেন-তারকপদা কৃষ্ণনা ঙাকশেনবিরদুগুমা অরাবা থুদোংথীবা মতমদা অকনবা নহাক্না কর্ণবু ঙাকশেনবিয়ু ॥৮॥ ভীষ্ম, দ্রোণ, কৃপ, কর্ণ, অকনবা নহাক, কৃতবর্ম্মা, সবুলপুত্র শকুনি, অশ্বত্থামা অহুগা ঐ হায়রিবা ঐখোয় মাপল অসি ঐখোয়গী কৌরবপক্ষগী অকনবনি ॥৯॥ নিংথৌ ! লালথোক্লিবৈগী মম্মাঙদা কৌরবপক্ষগী লাম্নী মপৈ অসি হায়রিবা মীশক মাপল অসিগী শরুক মাপল থোক্না খায়দোকনা থমগ্রবনি। অদুবু ভীষ্ম দ্রোণ হায়বা অনীগুগীদি অতোপ্পগী শক্তদা করিগুম্বা শরুক অমত্ত তমথিদবনি ॥১০॥ অহুনা ভীষ্ম দ্রোণ অনীনা মখোয়গীদমক্ত থাকুপা করিগুম্বা শরুক অমগী মতুং ইন্দনা ঐগী য়েক্কবা কয়া কয়াবু হাৎপিরম্মি। মতুংদা পাণ্ডবশিংনা নমথাক তৌদুনা অকনবা অনীহুবু জয় তৌথি ॥১১॥ পাপয়াওব্রবা মদ্রেশ্বর ! মখোয় অনীদুদি অতোপ্প অমনা অহুগা থাইনা শম্মোইদোবা থবক ঙাক্ত তৌবিরদুনা চৎখ্রে। অহুগা য়েক্কবগী কাণ্ডবনসু ঐগী লাম্নী তেঙদোলগী মশকমমীং নাইবা অকনবা কয়া হাৎখ্রে ॥১২॥ ঐখোয়গী পক্ষগী অকনবা কয়া কয়ানা মানা মানা ওম্বা শক্তিনা ঐগীদমক্তা, ঐগী অমগীদমক্তা অকনবগী থবক তৌবি তৌরিয়রগা নোংগানখ্রে ॥১৩॥ অদুনা নিংথৌ। দুর্য্যোধন ঐগীদমক্তা অকনবা লাম্নী কয়া মথাই থাখ্রে। লাম্নী মশীং য়ামুদ্রবা পাণ্ডবশিংনা ঐগী অকনবা কয়া কয়া হাদুনা লোইখ্রে। হৌজিক্তীদি অমুক করিসু হায়নীঙাই লৈত্তে ॥১৪॥ নিংথৌ। থঙবিথিবদুমতাম, পাণ্ডবশিংসে অজি, ঐ। জয় ফাইননবা যাম হোৎনখি, অহুগা থাৎমশেংনা মথৌনা থরিন্ নৈরবা রাজত্তদগি। অদুবা ঐখোয়গী থর লৈরিবশিং অসিদুগী অমুক য়েঙ্গা মখোয়না হাৎথিদনবগে লৌথোকপিয় ॥১৫॥ নিংথৌ ! অকনবা ! লাল অসিদা পাণ্ডবশিংনা ঐখোয়গী কৌরবপক্ষগী অকনবা

ভবাংশ্চ পুরুষব্যাঘ্র! সর্বলোকমহারথঃ। শল্য! কর্ণোঽর্জুনেনাদ্য যোদ্ধুমিচ্ছতি সংযুগে ॥১৭॥
তস্মিন্ জয়াশা বিপুলা মদ্ররাজ! নরাধিপ!। তস্যাভীষুগ্রহবরো নান্যোঽস্তি ভুবি কশ্চন ॥১৮॥
পার্থস্য সমরে কৃষ্ণো যথাভীষুগ্রহো বর। তথা ত্বমপি কর্ণস্য রথেঽভীষুগ্রহো ভব ॥১৯॥
তেন যুক্তো রণে পার্থো রক্ষ্যমাণশ্চ পার্থিব!। যানি কর্মাণি কুরুতে প্রত্যক্ষাণি তবৈব তৎ ॥২০॥
পূর্বং নঃ সমরে হ্যেবমবধীদর্জুনো রিপূন্। ইদানীং বিক্রমো হ্যস্য কৃষ্ণেন সহিতস্য চ ॥২১॥
কৃষ্ণেন সহিতঃ পার্থো ধার্তরাষ্ট্রীং মহাচমূম্। অহন্যহনি মদ্রেশ! দ্রাবয়ন্ দৃশ্যতে যুধি ॥২২॥
ভাগোঽবশিষ্টঃ কর্ণস্য তব চৈব মহাদ্যুতে!। তং ভাগং সহ কর্ণেন যুগপন্নাশয়াদ্য হি ॥২৩॥
অরুণেন যথা সার্দ্ধং তমঃ সূর্য্যো ব্যপোহতি। তথা কর্ণেন সহিতো জহি পার্থং মহাহবে ॥২৪॥
উদ্যন্তৌ চ যথা সূর্য্যৌ বালসূর্য্যসমপ্রভৌ। কর্ণশল্যৌ রণে দৃষ্ট্বা বিদ্রবন্তু মহারথাঃ ॥২৫॥
সূর্য্যারুণৌ যথা দৃষ্ট্বা তমো নশ্যতি মারিষ!। তথা নশ্যন্তু কৌন্তেয়াঃ সপাঞ্চালাঃ সসৃঞ্জয়াঃ ॥২৬॥

অয়াম্ব হাত্তনা লোইগ্রেদো। হৌজিক অকনবনি হায়রুনা শীঙথানরিবা অদুগা ঐগী কননবত খনবিরিবা হায়ববু কর্ণ হায়বসিত মঙায়শিল্লকলে ॥১৬॥ নিপা অখোইবা মহারাজ! মহারথীশিংগী মপুংদা অকনবা নহাক অমগা ঐগী ওইদুনা লেমহৌরি। অদুগা তাঞ্জা অসিদা কর্ণ হায়বসিন অর্জুনগা মায়োক্নদুনা থেংননীঙলি ॥১৭॥ নিংথৌ! তোবগীসু, ঐগী আশা পুম্বসে মতোত্তদসু থমখিবগুম্বা অমসু তৌগ্রে। অদুবু মহাক্না অর্জুনগা থেংননি হায়না তৌরিবসিদা অকনবা নহাক নত্তনা সারথি ওইবিনিঙাই মতীক চাবা অমত লৈতে ॥১৮॥ অদুনা কৃষ্ণনা অর্জুনগী সারথি ওইরিবসিগুম্বা অকনবা নহাক্না কর্ণগী সারথি অমুক্ত ওইবিয়ো ॥১৯॥ নিংথৌ! কৃষ্ণনা ঙাকলো ওইদুনা অর্জুননা তৌগ্রিব থবকশিংদো মরাম্না লোইনা উবিগ্রবা ঙাক্তনি ॥২০॥ অর্জুননা অহানবদা ঐখোয়গী লান্মী কয়া হাৎখ্রে। হৌজিক মহাক কৃষ্ণগী সহায়দগী মরাম্ন কাখিদুনা হায়দগী হেন্না অমুক মরিল ফুদোরকলি ॥২১॥ মদ্ররাজ! অর্জুননা কৃষ্ণগা লোয়ননা সুমিৎ খুদিংগী ঐখোয়গী কৌরব লান্মীশিংবু চাংনাইনা অসুমসুম হাৎচিল্লকপসি উরি ॥২২॥ অকনবা! হৌজিক্তি কর্ণগা অকনবা নহাকা অনীগী শরুক্ত মঙায়রে পাণ্ডবপক্ষগী লান্মীশিংবু হাৎপিগদবসি। অদুনা ঙসি অকনবা নিংথৌ নহাকা অনীনা অনীগী থৌদাং ওইনা লৈহৌরিবা শরুক অসি পাঙথোক্নবা তৌবিয়ু ॥২৩॥ সূর্য্যদেবনা অরুণ সারথিগা লোয়ননা অগৎকী অমম্ব পুম্বা মাঙহনথত্তুগুম্বা কর্ণগা অকনবা নহাকা অনীনা ঐগী য়েক্নবা পুম্বা মাঙহনবিয়ু। অর্জুনবু হাৎননবা তৌবিয়ু ॥২৪॥ ঙলিদি পাণ্ডবকী লান্মীশিংনা, অনৌবা থোরকপা তেজ কল্লবা সুমিৎ অনীগী মতৌগুম্বা থথ অমতদা তোংদুনা কৌরব তেঙ্গোললোম্‌দগী হাউরোরকপদো মথ্বাই মথ্বাই থাজিল্লৈদো। সুজ উজহৌরসনু নত্রগা মথ্বাই পুপুদুনা লাপ্ন চেল্লহৌরসনু ॥২৫॥ ঈকাঈথুম্নবগী মপক্ ওইরবা

রথিনাং প্রবরঃ কর্ণো যন্তৄণাং প্রবরো ভবান্। সংযোগো যুবয়োর্লোকে নাভূন্ন চ ভবিষ্যতি ॥২৭॥
যথা সর্বাস্ববস্থাসু বার্ষ্ণেয়ঃ পাতি পাণ্ডবম্। তথা ভবান্ পরিত্রাতু কর্ণং বৈকর্ত্তনং রণে ॥২৮॥
ত্বয়া সারথিনা হ্যেষ অপ্রধৃষ্যো ভবিষ্যতি। দেবতানামপি রণে সশক্রাণাং মহীপতে!।
কিং পুনঃ পাণ্ডবেয়ানাং মা বিশঙ্কীর্বচো মম ॥২৯॥

সঞ্জয় উবাচ।

দুর্য্যোধনবচঃ শ্রুত্বা শল্যঃ ক্রোধসমন্বিতঃ। ত্রিশিখাং ভ্রূকুটিং কৃত্বা ধুন্বন্ হস্তৌ পুনঃ পুনঃ ॥৩০॥
ক্রোধরক্তে মহানেত্রে পরিবর্ত্ত্য মহাভুজঃ। কুলৈশ্বর্য্যশ্রুতবলৈর্দৃপ্তঃ শল্যোঽব্রবীদিদম্ ॥৩১॥
(যুগ্মকম্)

শল্য উবাচ।

ন মামর্হসি রাজেন্দ্র! নিযোক্তুং কর্ম্মণীদৃশে। ন হি পাপীয়সঃ শ্রেয়ান্ প্রেষ্যত্বং কর্ত্তুমর্হতি ॥৩২॥
যো হ্যভ্যুপগতং মিত্রং গরীয়াংসং বিশেষতঃ। বশে পাপীয়সো ধত্তে তৎ কার্য্যমবরোত্তমম্ ॥৩৩॥

মদ্ররাজ। অমম্বা হায়বদুনা মুমিৎপু অদুগা অরুণবু উরগা লাপ চেনখিবা লোৎখিবদুগুম্না পাঞ্চাল সৃঞ্জয়লাম্নীশিংনা অকনবা নখোয় অনীবু উবদা মাঙপ্রসনু-লোৎপ্রসনু ॥২৬॥ রথীশী মনুংদা অখোইবা কর্ণগা রথবু পুবখোবগী মনুংদা খ্বাইদগী হেনবা অকনবা নহাক্না অসিগুম্ব অনীনা রথ অমত্তদা পুম্ন তোংমিন্নদুনা লাঞ্জংবসে গুসিগীসিনা জগত্ত ঈহান্ হানবনি হায়বা য়াই। অদুম্না তিন্নবসিদি মতুংদসু অমুক্ খোক্লরোইদৌবনি ॥২৭॥ অদুনা হিরম্ পুম্বদা কৃষ্ণন অর্জুনবু ঙাক্পি শেনদিব-কনবিবদুগুম্না, কৃষ্ণগা পাংথক্ ওইরবঃ অকনবা নহাকনা কর্ণবু অমুক্ত কনবিয়ু ঙাক্পিয়ু ॥২৮॥ "মহারাজ! মদ্রনরেশ! মহারাজগুম্বা অকনবা অমনবু সারথি ওইরবদি কর্ণবু লাইয়াম্ কাওবনা পাক্ ওন্নরোইদৌবনি। তাইবংমী পাণ্ডবশিংগীদি অমুক করি হায়রুগনি হায়জরিবসিদা অত্তোম্ন অম অমদা খনবিখিদুনা শাউবিগনু অদুগা পূক্নিংদসু চিংনবিগনু" ॥২৯॥
সঞ্জয়না হায়:—মহারাজ! মপাঙ্গল কল্লব' শল্য হায়বসে শাগৈ জাত্তা, ময়ুজ মথুমদা, বেদ শাস্ত্রগী জ্ঞানদা, মশাগী শক্তিদা, অতৈ কনা অমত্তদগী য়াত্তে হায়না য়াম্ন খোয়না চৈথিবা মীশক্ অমনি। অদুনা দুর্য্যোধনগী য়াসি হেক্ তাবদা অশাউবনা মমীত্তা ঈ কাখিদুনা পীশূম্ মথকী লাইপক্কী মম্নী অদুম্ অদু খেক্তনা, মথুৎ অনীদু প্রোক প্রোক থেক-নৈদুন, ঙাওবা মীৎ অনীদু হনৎ চন্দা কোয়রৈ নৈদুনা অদুম হায়রকই ॥৩০-৩১॥

শল্যনা হায়রকই:—নিংথৌ অখোইবা! ঐবু অদুগুম্বা অত্তোনবঃ থবক্ত শীজিন্নবিবদি য়াথোই। মরমদি অচৌবা শাগৈদা পোকপা অমনা তোল্লবা অমগী মনায়গী থবক ত্তৌ হায়বা য়াবা হৌনদে ॥৩২॥ ঐন্ম অচৌবা শাগৈদা পোকপনি, অদুনা অচৌবা শাগৈদা পোকপা মহারাজ-গীদা মীচঙ ওইগে লাকপনি। অদুবু মহারাজনা ঐবু ওথোক্না তোল্লবা নিপা অমগী ওথোকপা থবক অম ত্তৌ হায়না ত্তাকপিন্নবসে য়াম্ন লাল্লি। ঐবু কর্ণগী সারথি ওইদু হায়বিন্নবসে

ব্রহ্মণা ব্রাহ্মণাঃ সৃষ্টা মুখাৎ ক্ষত্রঞ্চ বাহুতঃ। উরুভ্যামথ বৈশ্যা বৈ শূদ্রাঃ পদ্ভ্যামিতি শ্রুতিঃ ॥৩৪॥

তেভ্যো বর্ণবিশেষাশ্চ প্রতিলোমানুলোমজাঃ। অথান্যোন্যস্য সংযোগাচ্চাতুর্বর্ণ্যস্য ভারত ॥৩৫॥

গোপ্তারঃ সংগ্রহীতারো দাতারঃ ক্ষত্রিয়াঃ স্মৃতাঃ। যাজনাধ্যাপনৈর্বিপ্রা বিশুদ্ধৈশ্চ প্রতিগ্রহৈঃ ॥৩৬॥

লোকস্যানুগ্রহার্থায় স্থাপিতা ব্রহ্মণা ভুবি। কৃষিশ্চ পাশুপাল্যঞ্চ বিশাং দানঞ্চ ধর্মতঃ ॥৩৭॥

(যুগ্মকম্)

ব্রহ্মক্ষত্রবিশাং শূদ্রা বিহিতাঃ পরিচারকাঃ। তথা বৈ ক্ষত্রিয়াণাঞ্চ সূতা বৈ পরিচারকাঃ ॥৩৮॥

ন ক্ষত্রিয়ো বৈ সূতানাং শৃণুয়াচ্চ কথঞ্চন। অহং মূর্দ্ধাভিষিক্তো হি রাজর্ষিকুলজো নৃপঃ ॥৩৯॥

মহারথঃ সমাখ্যাতঃ সেব্যঃ স্তব্যশ্চ বন্দিনাম্। সোঽহমেতাদৃশো ভূত্বা নেহারিবলসূদনঃ ॥৪০॥

সূতপুত্রস্য সংগ্রামে সারথ্যং কর্তুমুৎসহে। অবমন্যসি গান্ধারে। ধ্রুবং বা পরিশঙ্কসে ॥৪১॥

(যুগ্মকম্)

যস্মাদ্‌ব্রবীষি বিস্রব্ধঃ সারথ্যং ক্রিয়তামিতি। অস্মত্তোঽভ্যধিকং কর্ণং মন্যমানঃ প্রশংসসি ॥৪২॥

অচৌববু য়ৈথবা, মী মচা তোল্লববু খাংগৎপা অসিগীতনি ॥৩৩॥ বেদদ অসুম্না হায়রি :—ব্রহ্মাগী মচৌন্দগী ব্রাহ্মণ পাম্বোমদগী ক্ষত্রিয় কৈপল মরুদগী, বৈশ্য অমুগা আ-খোঙথাদগী শূদ্র পোকই ॥৩৪॥ ভরতনন্দন! হায়রিবা বর্ণ মরি অসিনা অমুক্ত অমগমগ চায়োল মৌয়োম্নরগা প্রতিলোম অনুলোম বর্ণ শঙ্কর পোকই ॥৩৫॥ ব্রহ্মানা, দোষ য়াওদ্রবা যজ্ঞ তৌহনবা, মশানা তৌজবা শিষ্যদা তম্বিবা, দান লৌবা থবক্ কয়ামরম্ অসি ব্রাহ্মণগী মথুত্তা শিন্নখি। লৈপাক্ ঙাক্পা লোইপোৎ লৌথৎপা, দান তৌবা থবক্‌শিং অসিবুনা ক্ষত্রিয়শিংদা লাম্বোকখি। বৈশ্যগী মথৌনা লৌউবা, শল্‌ইয়োই ঙাকশেনবা-য়োকপা অসিবু ওইহনখি ৩৬-৩৭॥ ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য অহুম অসিগী সেবা তৌবনা শূদ্রগী মথৌ ওইহনখি। অদুগা সূত (সারথি) শিংবু ক্ষত্রিয় নিংথৌগী মীনায়-সারথি ওইহল্লি ॥৩৮॥ অহুনা ক্ষত্রিয়শিংনা, ক্ষত্রিয়নিংথৌমচাশিংনা মথোয়গী মনাই সূত (শূদ্র) শিংগী য়াথং থক্ তাবা হৌনদে। অদুগা নিংথৌ! ঐদি, নিংথৌ নংঙমা অচৌবা রাজর্ষিবংশদা পোকপনি। কোকথক্ত অভিষেক তৌহনা কম্বাল তোংখিবা নিংথৌনি ॥৩৯॥ ঐদি জাপন্না মহারথী অমনি হায়না মিং চন্তুনা লৈরিবনি, য়েক্লবা কয়া কয়া ইথুত্তা তুমখবনি। অহুনা, ঐদি শুমিৎ চুপ লৈশি লৈথোনবা হৈবা কবিশিংনা স্তুতি তৌহুনা লৈশি লৈথোম্লুনা লৈগদবা মীশক অমনি। অহুনা ঐনা সূতকী মচা শূদ্র কর্ণগী সারথি ওইকম্ থৌক্তে। ঐ সুকওম্ ওম্লোই। গন্ধারীনন্দন! নিংথৌ নশামক্না ঐবু অপমান তৌরি। ঐবু মচুংথুংদা য়েক্লবগী মীচঙনি হায়নস্থ চিংনরি ॥৪০-৪১॥ "ঐবু কর্ণগী সারথি ওইয়ু" হায়না চিংনবা হংলোইবা লৈতনা, পুক্নীংদা হালেংবা করিমত লৈতনা হায়দোকখিবাসনা ঐতোপ্পগী কর্ণনা হেন্না হায়রক্ল

ন চাহং যুধি সংরব্ধং পাণ্ডবং তুল্যবাহনঃ ।
অহমদ্য সমরে হত্বা গমিষ্যামি যথাগতম্ ।
পশ্য বীর্য্যং মমাদ্য ত্বং সংগ্রামে দহতোঽরিপূন্ ।
অসংখ্যিঃ প্রবর্ত্তেত মা মা মমতিপণ্ডিতাঃ ।

আদিকর্ত্তামর্ত্যবিদো মমাংশঃ পৃথিবীপতে ॥৪৩॥
অথবাপ্যেক এবাহং যোৎস্যামি তব শত্রুভিঃ ॥৪৪॥
ন চাপি কামান্ কৌরব্য ! নিধায় হৃদয়ে পুরান্ ॥৪৫॥
অপি চাপ্যবমানো মে ন কর্ত্তব্যঃ কথঞ্চন ॥৪৬॥

(যুগ্মকম্))

পশ্য পীনৌ মম ভুজৌ বজ্রসংহননৌ দৃঢ়ৌ ।
রথঞ্চ পশ্য মে চিত্রং সদশ্বৈর্বাজবেগিভিঃ ।
দারয়েয়ং মহীং ক্রুদ্ধো বিকিরেয়ঞ্চ পর্বতান্ ।
ত্বং মামেবংবিধং রাজন্ ! সমর্থমরিনিগ্রহে ।
ন চাপি মম রাধেয়ঃ কলামর্হতি ষোড়শীম্ ।

বাহূ পশ্য চ মে চিত্রং শরাংশ্চাশীবিষোপমান্ ॥৪৭॥
গদাঞ্চ পশ্য গান্ধারে ! হেমপট্টবিভূষিতাম্ ॥৪৮॥
শোষয়েং সমুদ্রাংশ্চ পাতয়েয়ঞ্চ তাকবন্ ॥৪৯॥
কস্মাদ্যুনক্ষি সারথ্যে সূতস্যাধিরথেস্তু মাম্ ॥৫০॥
সকর্ণা যে ত্রয়ো লোকাঃ সার্জ্জুনাঃ সজনার্দ্দনাঃ ॥৫১॥

থনবিচ্ছুনা ঐগী মাতদা কর্ণগী প্রশংসা তৌরিবনি হায়বসি মশানা তারে । মাসিদগী হেন্না চাউবা থীবা অপমান কদাইদগী লৈগনি ॥৪২॥ নিংথৌ ! কর্ণদি ঐমকী লান্থা ওইথনু মতীক চাজিবনি । অদুবু করে, মাঙ্গীদমক ঐ শাউজয়ে । হৌজিককী থবক অসি মতবা থবক অম ঐগী শরুক ওইনা ভখিবু ॥৪৩॥ ওসি কাওবা ঐ য়েক্‌বু হাত্‌লা ওাক লাকলি । হৌজিকসু অহুম অহুম্ তৌহুনা পুনশি অসি লেনখিগনি । হায় নিংথৌ ! ইথস্তুনা য়েক্‌বশিং অসিবু হৌজিকমক লোইথোকলগা হায়রক্উ হায়ত্রা ? অদু ওইরবসু ঐ হৌজিমক শেমশাবি ॥৪৪॥ কৌরবনন্দন ! ঐ ইথস্তুনা মিংথৌ নংগী য়েক্‌বশিংবু তুম্না হাৎপসে মীৎমক্না উবকংবিগনি । নিংথৌ ! শল্য ঐগুম্বা মীনা থবক তৌবা মতমদা কয়িগুম্বা মানা মহৈ কম্থোমচিংবা মহৈগীদমক্ থম্মুনা থক্ তৌনদবনি । থবক পুম্বা ইথৌনি হায়না থম্মুনত তৌরকলিবনি । অদুনা ঐবু থক্ চিংমবিগন্‌সু, অদুগা অতোনবা কর্ণ তৌনমবা য়াথং পীহুনা ঐবু অপমানসু থক্ তৌবিগন্‌সু ॥৪৫-৪৬॥ নিংথৌ ! বজ্রগী মতৌগুম্ কন্নবা, অকিবগী মশক্ ওইরবা, মত্রঙ মত্রঙ লাউরবা ঐগী পাম্বোম্ অনীসি য়েংবিয়ু । ঐগী য়েৎখদা অকিবা পোক্রবা চাউরবা লীকং অসিবু অদুগা অমমমা মহূ পুরথা মিলগুমা তেল্ মরাম অসিবুসু অমুক্ত য়েংশিয়ু ॥৪৭॥ গান্ধারীনন্দন ! য়েংবিয়ু, অসোমদ অমুক্ ; ঐগী ভঙ্গুপ তয়েংলবা মন অসি মুংশিৎকী মমাঙ থানা চেন্নবা শগোল পাঙ্খিন্দুনা লৈয়ে । সনাগী মখক্ত, সনা হুৎলবা, পায়রবা কিনা য়েৎলবা চাউরবা গদা অমসু থমি ॥৪৮॥ শল্য ঐমসু শক্তিরবদি খুৎলায়শিংসিনা পৃথিবী লৈমায়বুসু খিনগাইব ঙম্মা, চীঙ্গমুসু কীহহনবা ঙম্মী । সমুদ্রবু খুদক্ত কাহনবা ঙম্গনি -খুমিৎপুম্ লৈমায়থক ভাহনকপা ঙম্গনি ॥৪৯॥ নিংথৌ ! অসুক্ত কন্নবা, মীরুপ্ত য়েক্‌বা খুম্না হাৎপা ঐডোম্বা কনিগী অমুম্না হায়বিরি ? সূতজাতিদা মীৎলিবা অধিরথকী মচা কর্ণগী সারথি ওইনবা হায়বিবনে কনিমিনো ? ॥৫০॥ নিংথৌ ! কর্ণদি

নিবদ্ধাংস্তান্ রণে রাজন্। ন গণেয়ং কথঞ্চন। ন চাহং প্রাকৃতঃ কশ্চিন্ন চাপ্যবিদিতঃ স্বয়ম্ ॥৫২॥

(যুগ্মকম্)

আপৃচ্ছে ত্বাং গান্ধারে। যাস্যামি বিষয়ং প্রতি। ন চাহং সূতপুত্রস্য সারথ্যমুপলক্ষিতান্ ॥৫৩॥

অবমানমহং প্রাপ্য ন যোৎস্যামি কথঞ্চন। আপৃচ্ছে ত্বাং গান্ধারে। গমিষ্যামি গৃহায় বৈ ॥৫৪॥

সঞ্জয় উবাচ।

এবমুক্ত্বা মহারাজ। শল্যঃ সমিতিশোভনঃ। উত্থায় প্রযযৌ তূর্ণং রাজমধ্যাদমর্ষিতঃ ॥৫৫॥

প্রণয়াদ্বহুমানাচ্চ তং নিগৃহ্য সুতস্তব। অব্রবীন্মধুরং বাক্যং সাম্না সর্বার্থসাধকম্ ॥৫৬॥

যথা শল্য। মন্যসে ত্বমেবমেতদসংশয়ম্। অভিপ্রায়স্তু মে কশ্চিত্তং নিবোধ জনেশ্বর। ॥৫৭॥

ন কর্ণোঽভ্যধিকস্তত্তো ন চাস্তে চৈব পার্থিবাঃ। ন চ মদ্রেশ্বর। ত্বাং বৈ কৃষ্ণঃ সোঢ়ুং শক্যতি ॥৫৮॥

ঋতমেব হি পূর্বাস্তে বদন্তি পুরুষোত্তমাঃ। তস্মাদার্তায়নিঃ প্রোক্তো ভবানিতি মতির্মম ॥৫৯॥

শল্যভূতস্তু শত্রূণাং যস্মাত্বং যুধি মানদ।। তস্মাচ্ছল্যেতি তে নাম কথ্যতে পৃথিবীতলে ॥৬০॥

ঐগী শক্তক্ তয়াতক্তক্ খোক্লগা শক্তক্ অম কাওবা কংবা নত্তে। অহুনা কৃষ্ণ অর্জুন কর্ণ অহুম অসিনা ঐগী ইথক্ত পুক্লপ হৌয়ক্লবস্থ ঐ করিমত নাচুংবিরোই। ঐসে নিংথৌ। অচম্ব মরক্কী মী কনা নত্তে। অহুগা ঐনা মহারাজগীসিদা লাক্পস্থ য়াওজগে হায়দুনা লাক্পা নত্তে। মহারাজনা হায়জবদগী লাক্পনি ॥৫১—৫২॥ গান্ধারীনন্দন। ঐ হৌজিক নিংথৌ নত্তোন্দগী বিদায় নিব্রি। ঐ ঐরৈবাক্তা হক্লপ্রগে, সূতমচাগী সারথি ওইবা তম্লোই ॥৫৩॥ গান্ধারীনন্দন। ঐ, অচোপ অয়েং য়েংদনা লাল শোক্লবা মী নত্তে। অপমানস্থ চাবা, লান্দা থরাইস্থ থাবা ঐ ওন্থোই। অহুনা নিংথৌ। য়াথং পীবিয়ো ঐ য়ুম্ য়োজপ্রগে ॥৫৪॥ সঞ্জয়না হায়:— মহারাজ। শল্যনা অসি হায়রক্লগা মথীং ঐ কাহুনা কৃক্ হৌগত্তুনা নিংথৌ লাম্বী মথাম্ অগ্গী মরক্কী খোংগাপ অমনী চখোক্পা চৌয়ে ॥৫৫॥ অহুদগীদি নচা ঐবুঙো দুর্য্যোধননা থুৎলোয়না তমাম্ তমায় শল্যগী মাতদা থৎতুনা থিংলগা নীওথিবা অথোৎপা, অথুবা বাহৈনা অমুয়া হায়রকুই:— ॥৫৬॥ মহারাজ। অকনবা। মদ্রাধিপতি। করিগীনো অমুম্ তৌথিবিবা। ঐনা হায়জবিবসে থুং মাও মুম কৃপ নৈনয়গা থাদৈশেংবমক্ হায়জববনি। ঐনা হায়জবিবা অসিদা করিমত চিংনবিগনু ঐনা করিগীদমক্ বা অসি অকনবা মতোন্দা হায়ব্রিবনো হায়বদো মুম অমুক্ত তাবিথো ॥৫৭॥ মদ্ররাজ। অকনবা। কর্ণত নত্তনা নিংথৌ অয়াম্ব লৈবিবশিংসিনা মহারাজদগী করিমত হেনথিবা নৎতে। লান্দদি কৃষ্ণ কাওবনা অকনবা নহাক্কী লাম্বা ওইবা ওব নত্তে ॥৫৮॥ নিংথৌ নহাক্কী নম্বথৌশিংনা মমাঙৈদগী অচুম্বত তাওহুনা লাক্লিবনি। অহুমথক্লনা মী পুম্বনা "আর্তায়নি" হায়বদি "অচুম্ব ভাংবগী মচা মশূ" হায়না কৌনবিবনি হায়বদি ঐনা থাজ ॥৫৯॥ মীয়ু ঈকায়

যদেতদ্ব্যাহৃতং পূর্ব্বং ভবতা ভূরিদক্ষিণ। । তদেব কুরু ধর্ম্মজ্ঞ। মদর্থং যদ্বিমুচ্যতে ।৬১।
ন চ ত্বত্তো হি রাধেয়ো ন চাহমপি বীর্য্যবান্। বৃণেঽহং যাং হয়াগ্র্যাণাং যন্তারমিহ সংযুগে ।৬২।
মন্যে চাভ্যধিকং শল্য। গুণৈঃ কর্ণং ধনঞ্জয়াৎ। ভবন্তং বাসুদেবাচ্চ লোকোঽয়মিতি মন্যতে ।৬৩।
কর্ণো হ্যভ্যধিকঃ পার্থাদস্ত্রৈরেব নরর্ষভ।। ভবানভ্যধিকঃ কৃষ্ণাদশ্বজ্ঞানে বলে তথা ।৬৪।
যথাশ্বহৃদয়ং বেদ বাসুদেবো মহামনাঃ। দ্বিগুণং ত্বং তথা বেৎসি মদ্ররাজেশ্বরাত্মজ। ।৬৫।

শল্য উবাচ।

যস্মাৎ ব্রবীষি গান্ধারে। মধ্যে সৈন্যস্য কৌরব।। বিশিষ্টং দেবকীপুত্রাৎ প্রীতিমানস্ম্যহং ত্বয়ি ।৬৬।
এষ সারথ্যমাতিষ্ঠে রাধেয়স্য যশস্বিনঃ। যুধ্যতঃ পাণ্ডবাগ্র্যেণ যথা ত্বং বীর। মন্যসে ।৬৭।
সময়শ্চ হি মে বীর। কশ্চিদ্বৈকর্ত্তনং প্রতি। উৎসৃজেয়ং যথাশ্রদ্ধমহং বাচোঽস্য সন্নিধৌ ।৬৮।

খুম্নবিবা অকন্‌বা । য়েক্লবগী মকমদা (ভাশোল) গী মশকৃনি হায়চুনা মী পুম্নমক্না অকনব নহাক্পু "শল্য" কৌনরিবনি হায়না খল্লি ॥৬০॥ দান ধর্ম্ম কয়া তৌগ্রবা । ধর্ম্ম চেম্নবা । অকনবা ! অসি অসি তৌবিনি হায়চুনা তাকৃপিখিবদো অদুগা ঐগী পক্কগীদমক্ তাকৃপিগ্রিবদো মাহ লোইনা তৌবিয় ॥৬১॥ অকনবা নঙোন্দগী কর্ণনা হেন্ন কনখিবা নত্তে । ঐ ইশামকুসু অকনবা নঙোন্দগী মাক্সা য়ায়া হৃম্বনা লৈরিবনি অদুবু য়েক্লববু হাৎনীংবা, জয় তৌনিংবগী রাথম থুম্‌হৎখিচুনা অকনবা নহাক্কী জগৎ অসিদা অমগা চাংদম্‌নিংঙাই লৈতবা শগোল থৌবা হৈবগী বিদ্যা অম্নবুসু খঙজরুবদগী হৌজিক্ সেনাপতি ওইজরিবা কর্ণগী সারথি অসি অকনবা নহাক্না শোয়দনা ওইবিনবা হায়জবা হায়না পুক্নিংদা সংকল্প তৌবনা হানখ্রে ॥৬২॥ মদ্ররাজ । ঐনা কর্ণবু অর্জ্জুনদগীদি হেলমাম্লে হায়না খনজে । অদুগা কৃষ্ণদগী হেনবদি অকনবা নহাক্কনি হায়না মী পুম্নমক্না হায়নৈ ॥৬৩॥ নিপা অখোইবা । খুৎলায়দদি অর্জ্জুনদগী কর্ণনা হেল্লি, অদুগা শগোলগী তত্ত্ব খঙবা অদুগা শক্তিদদি কৃষ্ণদগীসু অকনবা নহাক্না হেল্লি হায়বসি জগৎনা খঙচুনা ময়েরবনি ॥৬৪॥ মদ্রদেশকী নিংথৌরেল্ । কৃষ্ণদা লৈবা কবিঙবা হীরম্‌গী বিদ্যাদগী অকনবা নঙোন্দা লৈবনা শরুক্ অনী হেল্লবনি । হায়বদি কৃষ্ণদি শগোল থৌবতনি হৈজবা, অকনবা নহাক্কীদি শগোল থৌবসু-লালসু অনীমক্ ॥৬৫॥ য়া অসি তাবদা শল্যনা অস্নম্না হায়রকুইঃ— গান্ধারীনন্দন । নিংথৌ । কুরুপতি । অসুক্ য়ায়া হায়খ্রিবশিং অদুগী মরুংদা লান্দদি কৃষ্ণদগীসু শল্য ঐনা হেল্লি হায়বা অচুম্বসি তাবতদা চুম্নলগনা হেক্ত মংলে ॥৬৬॥ অকনবা । অকনবনা অকনবদা থৌদা পীজবদি কনাদ পীনি ? মহারাজনা তৌ হায়রিবদো ঐ য়াজয়ে । কর্ণ অর্জ্জুনগা থেংনবা মতম্‌দা ঐ মাগী সারথি ওইয়গে, অনুমতাইরে ॥৬৭॥ অদুদা নিংথৌ । ঐনা কর্ণগী সারথি ওইবসিদা নিয়ম খরদি

সঞ্জয় উবাচ।

ততেতি রাজন্। পুত্রস্তে সহ কর্ণেন ভারত।। অব্রবীন্মদ্ররাজস্য মতং তত্রমপ্যুত ॥৬৯॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি

শল্যস্য কর্ণসারথ্যস্বীকারে ষড়্‌বিংশোঽধ্যায় ॥৩॥ ●

——:*:——

তৌনব তাই। হায়বদি লায়ক্ত ঐনা মতোন্দা হায়নীত্তরমথৈ হায়ব য়াবা অসিনি ॥৬৮॥ সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ। "করে মাহুমক্ ওইসনু" অহুয়া দুর্য্যোধনগা কর্ণগা অনী তিম্‌না শল্যনা হায়রিবত্র য়ারবদা শল্যনা উচিয়াচিয়া কর্ণগী সারথি ওইয় হায়বসি য়াখ্রে ॥৬৯॥

মকম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক্ লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণ পর্ব্বদা "কর্ণসারথ্যস্বীকার" গী কুনতরুক্ শুবা অধ্যায় লোইরে ॥

———

শ্রীমহাভারতম্

সপ্তবিংশোঽধ্যায়ঃ।

কুনতরেৎ শুবা অধ্যায়

(কর্ণপর্ব্বদা ত্রিপুরাসুরগী রারী)

দুর্য্যোধন উবাচ।

ভূয় এব তু মদ্রেশ। যত্বাং বক্ষ্যামি তচ্ছৃণু। যথা পুরা বৃত্তমিদং যুদ্ধে দেবাসুরে বিভো। ॥১॥

যদুক্তবান্ পিতুর্ম্মহ্যং মার্কণ্ডেয়ো মহানৃষিঃ। তদশেষেণ ব্রুবতো মম রাজর্ষিসত্তম। ॥২॥

ৎং নিবোধ ন চাপাত্র কর্ত্তব্যা তে বিচারণা। দেবানামসুরাণাঞ্চ পরস্পরজয়ৈষিণাম্ ॥৩॥

বভূব পরমো রাজন্। সংগ্রামস্তারকাময়ঃ। নির্জ্জিতাশ্চ তদা দৈত্যা দৈবতৈরিতি নঃ শ্রুতম্ ॥৪॥

(বিশেষকম্)

দুর্য্যোধননা হায়ঃ—মদ্ররাজ! ঐ অমুক্ মদ্ররাজগী মকমদা মমাওতৌনা খোকখিব ফাউ-হিংচাবাশিংগী লায়াও অহুনী মরমদা থর হায়গে য়ুয়া তাবিয়ু ॥১॥ রাজর্ষি মথোইবা মহর্ষি মার্কণ্ডেয়না ঐগী ইপাদা মমাতৌনা লীথিবদো ঐ লোইবা অমুক্ শন্দোক্লগা নীয়গে তাবিয়ু। য়াসিবা পুক্ চিংনবা তৌবিনু। নিংথৌ! অমগমক ওমগে হাথকে তারমা ফাইবীশিংগা হিংচাবশিংগা লায়াও অদা মমাইতৌনা খোকখি। য়াওনা মকোক তাইবা য়াওনিবা তারকাসুর য়াওনা দিব্যালয়না লাইহিশিংনু য়াম তথলে-মৈয়ে। অদুগ অমুংদা ফাইবী লাইরীশিংনা কদায়া মিমাগন মতৌ চুপি

নির্জ্জিতেষু চ দৈত্যেষু তারকস্য সুতাস্ত্রয়ঃ। তারাক্ষঃ কমলাক্ষশ্চ বিদ্যুন্মালী চ পার্থিব ॥৫॥
তপ উগ্রং সমাস্থায় নিয়মে পরমে স্থিতাঃ। তপসা কর্ষয়ামাসুর্দেহাংস্তে শত্রুতাপন ॥৬॥ (যুগ্মকম্)
দমেন তপসা চৈব নিয়মেন সমাধিনা। তেষাং পিতামহঃ প্রীতো বরদঃ প্রদদৌ বরান্ ॥৭॥
অবধ্যত্বঞ্চ তে সর্বে সর্বভূতেষু সর্বদা। সহিতা বরয়ামাসুঃ সর্বলোকপিতামহম্ ॥৮॥
তানব্রবীত্তদা দেবঃ সর্বলোকগুরুঃ প্রভুঃ। নাস্তি সর্বামরত্বং বৈ নিবর্ত্তধ্বমিতোঽসুরাঃ ॥৯॥
অন্যং বরং বৃণীধ্বং বৈ রোচতে যাদৃশো হি বঃ। ততস্তে সহিতা রাজন্। সম্প্রধার্য্যাসকৃদ্বহু ॥১০॥
সর্বলোকেশ্বরং বাক্যং প্রণম্যৈনমথাব্রুবন্। বয়মিচ্ছাম নগরং কর্ত্তুং কামগমং শুভম্ ॥১১॥
সর্বকামসমৃদ্ধার্থমবধ্যং দেবদানবৈঃ। যক্ষরক্ষোরগগণৈর্নানাজাতিভিরেব চ ॥১২॥
ন কৃত্যাভির্ন শস্ত্রৈশ্চ ন শাপৈর্ব্রহ্মবাদিনাম্। বধ্যেত ত্রিপুরং দেব। প্রয়চ্ছ প্রপিতামহ ॥১৩॥
(কলাপকম্)
বয়ং পুরাণি ত্রীণ্যেব সমাস্থায় মহীমিমাম্। বিচরিষ্যাম লোকেঽস্মিংস্ত্বৎ প্রসাদপুরস্কৃতাঃ ॥১৪॥

হায়না তায় ॥২-৪॥ য়েক্লব ওম্বা মঙ্গরাজ। লাইরাম্বা দৈত্যদানবশিংবু জয় তৌরবদা তারাক্ষ, কমলাক্ষ, বিদ্যুন্মালী হায়বা তাড়কাসুরগী মচা অহুম অমিনা য়াম্ন কন্না তপস্যা তৌহনা চহী মতম্ কুইনা চাদথক্তনা লৈখি, তপস্যানা কনখিবনা মখোয় অহুম্ অদো মান্নাং খুবী খুবাম্নক্ত ওায়খ্রে ॥৫-৬॥ মখোয়গী ইন্দ্রিয়বু খুত্থমচন্‌বা, তপস্যাকনব, ধ্যানব্রত নিয়মকনবন্থ উবদা ব্রহ্মানা পেনখিত্নুনা মখোয়দা বর নিয়্যু পীগে হায়রে ॥৭॥ মখোয় অহুম অমিনা তিম্মনা "কনাগুম্-কয়িগুম্ অমতনা ছাৎপা য়াদব-অমর ওইগে" অমুম্ হাবনা ব্রহ্মাদা বর নিখি ॥৮॥ মতম্ অমুদা লোক পুম্নমক্কী পিতামহ ওইরবা ব্রহ্মানা মখোয়দা অমুম্না হায়খি অসুরগা। স্বর্গগী দেবতাশিং নত্তনা কনাগুম্ অমতগী অমর ওইবগী অধিকার লৈতে। অদুনা নখোয় বর অসিদি নিগনু ॥৯॥ অসি নত্তবা নখোয়না পাম্ব বর অম নিয়ু।" মহারাজ। মঙ্গরাজ। অদুদগী মখোয় অহুম্ অসি কুইনা কুপ্ন রা তানক্করগা লোকপুম্বগী মবুধোব্রহ্মাদা অমুম্না হায়রকই :—হে দেব। পিতামহ। ঐখোয় অহুম্ অসি অমময়া নগর অমমম্থুক চাউরবা কঙ্গথবা, বিমান অমমমদা পুনসিচুম্ন নোংদোম্বক্ত হন্দং চম্বা পাইহনা লৈনিংঙি। মাদুদা ঐখোয়না অপাম্বা খুদক খুদক্ত কংবা, অমুগা নগর-বিমান অহুম্ অদুবু লাইহিংচাবা যক্ষরক্ষ গন্ধর্ব কিন্নর নাগ (লিল্) কনাগুম্বা কয়িগুম্ অমতনা শোকপা থুদেকপা ওম্দবা অমুগা কনা শাউহনা কনা অমতনা ব্রহ্মামন্ত্রা ব্রহ্মশাপ তৌদুনা মাওহনবা য়াদব অসি পীনবিয়ু। অদুনা হে পিতামহ। ঐখোয়বু বর নিজ্জো হায়রবদি মাসিনি ॥১০-১৩॥ হে পিতামহ। ঐখোয় অহুমক পিতামহগী কৃপাদগী জগৎ অসিগী মলুংদা ঐখোয়দগী য়েয়া কনবা অম লৈতনা নগর অমমম্থুক্তন্থ চাউরবা বিমান (কোংলাই মুপাইবী) চুদা তোংহনা জগৎ অসিগী মলুংদা ঐখোয়না য়ৌনিং য়ৌনিংবা মফমদা

ততো বর্ষসহস্রে তু সমেষ্যামঃ পরস্পরম্। একীভাবং গমিষ্যন্তি পুরাণ্যেতানি চানঘ। ॥১৫॥
সমাগতানি চৈতানি যো হন্যাদ্ভগবংস্তদা। একেষুণা দেববরঃ স নো মৃত্যুর্ভবিষ্যতি ॥১৬॥
এবমস্ত্বিতি তান্ দেবঃ প্রত্যুক্ত্বা প্রাবিশদ্দিবম্। তে তু লব্ধবরাঃ প্রীতাঃ সম্প্রধার্য্য পরস্পরম্ ॥১৭॥
পুরত্রয়বিসৃষ্ট্যর্থং ময়ং বব্রুর্মহাসুরম্। বিশ্বকর্ম্মাণমজরং দৈত্যদানবপূজিতম্ ॥১৮॥ (যুগ্মকম্)
ততো ময়ঃ স্বতপসা চক্রে ধীমান্ পুরাণি চ। ত্রীণি কাঞ্চনমেকং বৈ রৌপ্যং কার্ষ্ণায়সং তথা ॥১৯॥
কাঞ্চনং দিবি তত্রাসীদন্তরীক্ষে চ রাজতম্। আয়সঞ্চাভবদ্ভৌমং চক্রস্থং পৃথিবীপতে। ॥২০॥
একৈকং যোজনশতং বিস্তৃতং তাবদায়তম্। দৃঢ়াট্টালকযুতং বৃহৎপ্রাকারতোরণম্ ॥২১॥
গৃহপ্রবরসংবাধমসংবাধমহাপথম্। প্রাসাদৈর্বিবিধৈশ্চাপি দ্বারৈশ্চৈবোপশোভিতম্ ॥২২॥
(যুগ্মকম্)
পুরেষু চাভবন্ রাজন্। রাজা চৈব পৃথক্ পৃথক্। দিব্যমাল্যাম্বরধরা দৈত্যেয়া রাজসত্তম। ॥২৩॥

য়েথুনা হজৎ হন্দা কোয়চৎ চত্‌না লৈজগে ॥১৪॥ হে পাপ য়াওজবা পিতামহ। অদুম্ তৌনা ঐখোয়না চহী লিশিং অম চুপ্পা মিমানশিং অদুদা শায়রবা তুংদা ঐখোয় অহুম্ অসি অমত ওইনা পুম্‌পুম্ পুনশ্রবদা নগর অপাইবী অহুম্ অদুসু অমত ওইনা পুনবা ওইসনু ॥১৫॥ ভগবন্। বিমান অহুম্ অসিনা হেক্‌পুনখিবদা অদুগা ঐখোয় অহুমা মীশক্ অমত হেক্ ওইখিবা মতম্ অদুদা কনাগুম্বা খ্বাইদগী অথোইবা লাই অমনা নগর অহুম অদুবু পুল্লপ্পা হেক্ থুগাইবা ঙম্লবা অদু ওইরবদি ঐখোয়গী মৃত্যু হায়রবু মহাক্ অদুনা ওইবা ওইসনু ॥১৬॥ "কয়ে মাদুমক্ ওইরসনু" অসি হায়রম্মগা ব্রহ্মা ব্রহ্মলোকত চৎখি। অসোমদা দৈত্য অহুম্ অসিনা অমগমগ রাতানদুনা বর ফংবদুদা য়াম্না হরাউনা নগর অপাইবী অহুম শাহনগদবগী দানবপুম্নমক্কী অথোইবা বিশ্বকর্ম্মা ওইরবা, অহল ওইবা লৈত্রবা, মহাক্না হৈতবা কোবা লৈত্রবা ময়দানবত্তা হায়রিবা নগর অহুম অদু শাউ হায়না নেকউয়ে ॥১৭-১৮॥ অদুদগী মবুদ্ধি লৈরবা, মথুৎমশা হৈরবা ময়দানব হায়বদুনা মহাক্কী তপস্যাগী শক্তিদগী হায়রিবা নগর অহুম অসি শাগ্রে। অমনা সনাগ্তনা শাবনি, অমনা লুপাতনা শাবনি, অমনা য়োৎতনা শাবনি ॥১৯॥ মহারাজ! মখোয় অহুমসিগী মনুংদা সনাগী নগর অদুনা স্বর্গলোকতা, লুপাগীদুনা আকাশদা, য়োৎকীদুনা মর্ত্তলোকত লৈ। হায়রিবা নগর বিমান অহুম অসি চাকা পাল্লি ॥২০॥ হায়রিবা নগর অহুম্ অসি রাম্ন কল্লি, অমমম্না মমাক মমুংদা য়ুথক্ চামচামগী লমনি। নগরশিং অসিগী মনুংদা চাউর চাউরবা চেকপল, লাংথোং, ফুরা-দলাল, সনথোঙ কয়া কয়া কজককজরবা হৈকোল লৈকোল কয়া কয়া, পাক্লবা শাংলবা লম্বী সড়ক কয়া কয়া অদুগা মশম্‌মশম্রিবা কজককজরবা য়ুমগী পরেং কয়া কয়ানা থম্না ক্রকক্রক্ ইরনা লৈ। চাউর চাউরবা য়ুম্ অমমম্তগী সনথোঙ কজককজনা কাৎলি ॥২১-২২॥ নিংথৌ অথোইবা মহারাজ! হিংচাবা মচীমমনাও অহুম্ অসিগী

কাঞ্চনং তারকাক্ষস্য দিব্যমাসীন্মহাত্মনঃ। রাজতং কমলাক্ষস্য বিদ্যুন্মালিন আয়সম্ ॥২৪॥
ত্রয়স্তে দৈত্যরাজানস্ত্রীন্লোকানাশু তেজসা। আক্রম্য তস্থুরুচ্চ কস্ক নাম প্রজাপতিঃ ॥২৫॥
তেষাং দানবমুখ্যানানাং প্রযুতান্যর্বুদানি চ। কোট্যশ্চাপ্রতিবীরাণাং সমাজগ্মুস্ততস্ততঃ ॥২৬॥
মাংসাশিনঃ সুদৃপ্তাশ্চ সুরৈর্বিনিকৃতাঃ পুরা। মহদৈশ্বর্য্যমিচ্ছন্তস্ত্রিপুরং দুর্গমাশ্রিতাঃ ॥২৭॥ (যুগ্মকম্)

সর্বেষাঞ্চ পুনশ্চৈষাং সর্বযোগবহো ময়ঃ। তমাশ্রিত্য হি তে সর্বেঽবর্ত্তন্তাকুতোভয়াঃ ॥২৮॥
যো হি যং মনসা কামং দধ্যৌ ত্রিপুরসংশ্রয়ঃ। তস্মৈ তস্মৈ ময়স্তং তং বিদধে মায়য়া তদা ॥২৯॥
তারকাক্ষসুতশ্চাসীদ্ধরির্নাম মহাবলঃ। তপস্তেপে পরমকং যেনাতুষ্যৎ পিতামহঃ ॥৩০॥
সন্তুষ্টমবৃণোদ্দেবং বাপী ভবতু নঃ পুরে। শস্ত্রৈর্বিনিহতা যত্র ক্ষিপ্তাঃ স্যুর্বলবত্তরাঃ ॥৩১॥

অমময়া নগর অমমমহুগী নিংথৌনি। মাত্তুদা মাগী মাগী প্রজা ওইহনা লৈরিব। দৈত্যদানব-শিং অহু অমময়া কজককজরবা সনালুপা মণিমুক্তাগী কিজোল জাৎজাৎনা লৈতেংভি। মত্তকৃশমদা কজককজয়বা মনমনুংশিরবা খুইজিনবা নাইজ্রবা লৈপয়েং অমমম্ শি ॥২৩॥ স্বর্গদা লৈবা সনাগী নগরবিমান অসিনা তারকাক্ষগীনি, লুপানা শাবা অসিনা আকাশদ লৈবা কমলাক্ষ হায়রিবসিগীনি অহুগা, য়োৎনা শাবা অহুনা বিদ্যুন্মালী হায়বসিগীনি ॥২৪॥ অহুম্ অসিনা মাগী মাগী নগর অপাইবীশিংসিদা তোংহুনা মানা মানা য়ৌনিংব মকমদা য়োহুনা মরোল অহুমসিবু আক্রমণ তৌবা হৌরকলে। "প্রজাপতি হায়ববু ঐখোয় অহুমসিনি, ঐখোয় অহুম্‌সি নত্তনা করম্ব প্রজাপতি অম লৈরিবগে?" অসুম্না লাউয় লাউরহুনা জগৎসিবু নৈবা-ওৎপা হৌরকলে ॥২৫॥ মমাঙৈদা লাইয়ায়া মায়থীবা পীশ্রবা, শাহিং ঙাহিং চাবা, নাপল তৌরবা, দৈত্য দানবশিং নিযুত-নিযুতনা, অবুর্দ-অবুর্দনা, কোটি-কোটিন মপৈ অমমম্ ওইহনা লাক্লগা মতীক চাউরবা মপালৈতনা কল্লবা হিংচাবা অহুম্ অসিগী নগর অহুম্‌সিদা লাক্তুনা আশ্রয় লৌখি। লম্তুম্ মনামথেল ঐশ্বর্য্য কয়া কয়া কংননবগী আশা তৌহুনা হিংচাবা অহুম্‌সিগী প্রজা ওইহনা লৈখি ॥২৬-২৭॥ হৈরবা ময়দানবনসু হেক্ লাক্লিবমথৈগী রাস্তনবা অচাথক্ মহৈমরোংনচিংবা নগর অহুম্ অসিদা খহু মতম্ চাবচাদবা নাইদনা লোইনা থোকহন পোকহনখি। অসুম তৌহুনা ময়দানবগী অশ্রয়দা লৈহুনা হিংচাবশিং অহু মুত্তাইনা মাগী মাগী প্রজাশিংগা লোয়ননা লৈখি ॥২৮॥ ত্রিপুর (নগর অহুমদা) দা লৈবা প্রজাশিং অসিনা মানা মানা পাম্বা, চানীঙ থকনীঙবা পোৎশিং অহু, খুদক্ক মথোয়দা লাক্তুনা হেক্ হেক্ থুংঙৈ ॥২৯॥ তারকাক্ষ হায়বসিগী হরি কৌবা কল্লবা মচা অম লৈ। মাম্ব য়াম্ন কল্লা তপস্যা তৌখি। মাহুনা ব্রহ্মাবু থোইন পেন্‌খ্রে ॥৩০॥ ব্রহ্মানা পেন্নবহুদা হরি হায়বা হিংচাবসিনা বর নিখি:—"পিতামহ! চাবিহুনা বর পীনবিগে

স তু লব্ধ্বা বরং বীরস্তারকাক্ষসুতো হরিঃ। সসৃজে তত্র বাপীং মৃতসঞ্জীবিনীং প্রভো। ॥৩২॥
যেন রূপেণ দৈত্যাস্তু যেন বেশেন চৈব হ। মৃতাস্তস্যাং পরিক্ষিপ্তাস্তাদৃশেনৈব জজ্ঞিরে ॥৩৩॥
তাং প্রাপ্য তে পুনর্বাপীং সর্বাল্লোকান্ ববাধিরে। মহতা তপসা সিদ্ধাঃ সুরাণাং ভয়বর্দ্ধনাঃ।
ন তেষাং বিদ্যতে যুদ্ধে ক্ষয়ো রাজন্। কথঞ্চন ॥৩৪॥
ততস্তে লোভমোহাভ্যামভিভূতা বিচেতসঃ। নির্ব্রীকাঃ সহিতাঃ সর্বেস্থাপিতাঃ সমলোলুপাঃ ॥৩৫॥
বিদ্রাব্য সগণান্ দেবাংস্তত্র তত্র তদা তদা। বিচেরুঃ স্বেন কামেন বরদানেন দর্পিতাঃ ॥৩৬॥
দেবোদ্যানানি সর্বাণি প্রিয়াণি চ দিবৌকসাম্। ঋষীণামাশ্রমান্ পুণ্যান্ রম্যান্ জনপদাংস্তথা।
ব্যনাশয়ন্ত মর্য্যাদাং দানবা দুষ্টচারিণঃ ॥৩৭॥
নিঃস্থানাশ্চ কৃতা দেবা ঋষয়ঃ পিতৃভিঃ সহ। দৈত্যৈস্ত্রিভিস্ত্রয়ো লোকা হ্যাক্রান্তাস্তৈঃ সুরেতরৈঃ ॥৩৮॥
পীড্যমানেষু লোকেষু ততঃ শক্রো মরুদ্বৃতঃ। পুরাণ্যায়োধয়াঞ্চক্রে বজ্রহস্ততঃ সমন্ততঃ ॥৩৯॥

হায়রবদি ঐখোয় পুর (নগর) অহুমসিগী অমমম্দা পাকচাউরবা লুরবা পুথ্রী থাঙ্গপাৎ অমমম্ লৈহনবিয়ু। কনাগুম্বনা থারকৃপা-কাপলকৃপা খুৎলায়না শোক্লবা হিংচাবশিং অহু মাথুদা হেক্ চোংথবদা খুদক্ত হেক্ ইককজবা। অদুগা কনাগুম্বগী খুৎলায়না পান্দুনা শিক্লরবসু মাথুদা লূপ্পদা হেক্ হিংগৎপা; হিংগৎপদা নত্তনা হিংগৎলকৃপ হিংচাবদুগী মপাঙ্গল্ অহু হায়দগীসু—হেনগৎপা অসি পীনবিয়ু।" মহারাজ! মদ্ররাজ! তারকাক্ষগী মচা হরি হায়বসিনা ব্রহ্মাদগী অগুকপা বর অসি ফংলহুনা নগর-অপাইবী অহুম্ অদুদা মৃতসঞ্জিবিনী হায়না পাকৃচাউরবা শাংলবা পুথ্রী অম শেমগ্রে ॥৩২॥ খুৎলায়না পান্দুনা থীনা শোক্লবা নত্রগা শিক্লরবদু পুথ্রী অসিদা হেক্ চোংথবা-লংথবদা খুদক্ত কৈ অদুগা হিংসু হিংগৎলি, হায়দগীসু হেম্না মপাঙ্গল্ কল্লি ॥৩৩॥ মহারাজ! মত্তৌ অসুয়া অকনবা তপস্যাগী মহৈনা হিংচাবশিং অহুনা পুথ্রী অসি ফংলবা তুংদা জগৎ পুম্বব্ নৈবা হৌরকৃলে। অদুগা লাইয়ামগা লাল্ শোক্লবা মতম্দসু মথোয়গী মশীংদি ইহন হম্বক্রে ॥৩৪॥ অদুগী তুংদা তারকাক্ষনচিংবা দৈত্যগী নিংথৌ অহুমসিনা হেক্ লাকৃলিবা, অপাম্ব মিহোবনা ভাওরবা, ময়ায় কারবা, অক্বি অখণ্ড হায়ব লৈত্রবা, কত্রবা হিংচাবশিং অদুবু নগর অহুমদুগী মসুংদা মকম্ চানা চানা লৈহনখি ॥৩৫॥ ব্রহ্মাগী বরদগী নাপল তৌরবা, ময়ায় কারবা হিংচাবা লিখৌ অহুমসিনা লাইয়াম্খিবিকৃপু জয় তৌদুনা মথোয়না য়ৌনিং য়ৌনিংবা কনাগী স্বর্গ মর্ত্ত্য পাতাল্ মকম্ পুম্বদা শীপ্পুংনা কোয়চৎ চৎপা হৌরকৃলে ॥৩৬॥ অদুদগীদি কত্রবা, অত্যাচারী ওইরবা দানবশিং অসিনা স্বর্গগী লাইয়ামগী কজকজরবা হৈকোল লৈকোল মন্দিরনচিংববু অদুগা মুনিঋষিশিংগী বন-উপবন-আশ্রম অদুগা কজকজরবা নগর কয়াবু উৎ ওইনা মাঙহল্লকলে ॥৩৭॥ অদুগী তুংদা হিংচাবা অহুম্ অসিনা লাইয়ামবু, ঋষিমুনিশিংবু লৈকম চাকম্ থঙহন্দহুনা মরোল অহুমু মথোয়গী খুদুম্গী মথা পোলহনখে ॥৩৮॥ মথোয়না মরোল

নাশকত্তানি ভেত্তুং পুরন্দরঃ । পুরাণি বরদত্তানি ধাত্রা তেন নরাধিপ ! ॥৪০॥

ততো ভীতঃ সুরপতির্মুক্ত্বা তানি পুরাণ্যথ । তৈরেব বিবুধৈঃ সার্দ্ধং পিতামহমরিন্দম ! ।

জগামাথ তদাখ্যাতুং বিপ্রকারং সুরেতরৈঃ ॥৪১॥ (যুগ্মকম্)

তে তত্ত্বং সর্ব্বমাখ্যায় শিরোভিঃ সংপ্রণম্য চ । বধোপায়মপৃচ্ছন্ত ভগবন্তং পিতামহম্ ॥৪২॥

শ্রুত্বা তদ্ভগবান্ দেবো দেবানিদমুবাচ হ । মমাপি সোঽপরাধ্নোতি যো যুষ্মাকমসৌম্যকৃৎ ॥৪৩॥

অসুরা হি দুরাত্মানঃ সর্ব্ব এব সুরদ্বিষঃ । অপরাধ্যন্তি সততং যে যুষ্মান্ পীড়য়ন্ত্যত ॥৪৪॥

অহং হি তুল্যঃ সর্ব্বেষাং ভূতানাং নাত্র সংশয়ঃ । অধার্ম্মিকাস্তু হন্তব্যা ইতি মে ব্রতমাহিতম্ ॥৪৫॥

একেষুণা বিভেদ্যানি তানি দুর্গাণি নান্যথা । ন চ স্থাণুমৃতে শক্তো ভেত্তুমেকেষুণাপরঃ ॥৪৬॥

তে যূয়ং স্থাণুমীশানং জিষ্ণুমক্লিষ্টকারিণম্ । যোদ্ধারং বৃণুতাদিত্যাঃ । স তান্ হন্তা সুরেতরান্ ॥৪৭॥

ইতি তস্য বচঃ শ্রুত্বা দেবাঃ শক্রপুরোগমাঃ । ব্রহ্মাণমগ্রতঃ কৃত্বা বৃষাঙ্কং শরণং যযুঃ ॥৪৮॥

অদুম্বু নৈবা হৌরক্লবসিদা দেবতাশিংনা ঈকোয় কোয়শিন্নবা ইন্দ্রনা মায়কৈ পূম্বদগী নগর অদুমসিগী মথক্ত বজ্র লংথখি ॥৩৯॥ অদুবু, মহারাজ ! ব্রহ্মাগী বরগী শক্তিদগী বজ্রশিং অদুনা পুর (নগর) অদুম অদুগী মচেৎ অমত কাওবা থুগাইবা ঙমখিদ্রে । ইন্দ্রনসু কিরদুনা দৈত্য অদুমগী নগর অদুম্ অদু থাদোক্লমতুন মখোয়না তৌরিবা অত্যাচারশিং অদু ঙম্মুগে হায়বগী দমক লাইরামশিংগা লোয়ননা ব্রহ্মাগী নাক্ তায় চৎখি ॥৪০-৪১॥ অদুদগী লাইখামখিবিক্না খুং লোম্নদুনা, মকোক নোন্দুনা ব্রহ্মাগী স্তুতি তৌরগা ত্রিপুরাসুরশিং অসিগী হাৎনবগী উপায় অসি হংখি ॥৪২॥ ভগবান্ ব্রহ্মানা দেবতাশিংগী বাহ্ন তাবদা অস্মা হায়রকই :—লাইরামশা ! লাইরাম নখোয়দা লাজজরবশিংদো ব্রহ্মা ঐগী ঈকমদসু অপরাধী অদুম মওইরবনি ॥৪৩॥ অসিগী অথক্তা অসুরশিং অসিদি মহেশাদগী মবুকচেন্ কপ্রবা, অদুগা ধর্মগী লাইরামগী মকমদা য়ায়া কাকক কিহৌচাউবনি অদুনা মখোয়না নখোয়বু ঙংজিবা উশিংথোওইজিনসে ঐবুসু য়াওরবনি ॥৪৪॥ ব্রহ্মা ঐ অককত থায়দনা, অতৌ অলীক নাইদনা, মীচঙচঙদনা জীবপানবা পুমমকী অকমনা বিধাতা (থবক পুথা পাঙথোকপিবা) ওইদুনা লৈরবনি । অদুবু কাহেম্না মত্তবা কর্ম্ম তৌরবদি পাপীশিং অদুসু শোয়দনা হাৎকদ থোকই । অসিমসু ঐগী নিয়মনি ॥৪৫॥ তেজ অমত্তনা মখোয়গী বিমানশিংসিবু কাপথায়গদবনি । অতোপ্প উপায় অমনা নত্তে । অদুগা থবক অসি মহাদেব নত্তনা অতৈ দেবতা কনাত্তনা অমত্তনা তৌবা ঙম্মোই ॥৪৬॥ অদুনা, দেবতা পুরমক । হৌজিদকপু জগৎপু মহায় তৌরবা মহাদেবগী নাক তায় চৎলগা ত্রিপুরাসুরশিংগা লান্থেনখিযু হায়না হায়জক । মহাত্তনা অসুরশিং অসিবু হাৎকনি ॥৪৭॥ ব্রহ্মাগী বা অসি তাবদা দেবতাশিংনা

তপঃ পরমমাতস্থুস্তে ব্রহ্ম শাশ্বতম্। ঋষিভিঃ সহ ধর্মজ্ঞা ভবং সর্বাত্মনা গতাঃ ॥৪৯॥
তুষ্টুবুর্বাগ্ভিরিষ্টাভির্ভয়েম্বভয়দং নৃপ।। সর্বাত্মানং মহাত্মানং যেনাপ্তং সর্বমাত্মনা ॥৫০॥
তপোবিশেষৈর্বিবিধৈর্যোগং যো বেদ চাত্মনঃ। যঃ সাংখ্যমাত্মনো বেদ যস্য চাত্মা বশে সদা ॥৫১॥
তং তে দদৃশুরীশানং তেজোরাশিমুমাপতিম্। অনন্যসদৃশং লোকে ভগবন্তমকল্মষম্ ॥৫২॥

(যুগ্মকম্)

একশ্চ ভগবাংস্তত্র নানারূপমকল্পয়ৎ। আত্মনঃ প্রতিরূপাণি রূপাণ্যথ মহাত্মনি।
পরস্পরস্য চাপশ্যন্ সর্বে পরমবিস্মিতাঃ ॥৫৩॥
সর্বভূতময়ং দৃষ্টা তমজং জগতঃ পতিম্। দেবা ব্রহ্মর্ষয়শ্চৈব শিরোভির্ধরণীং গতাঃ ॥৫৪॥
তান্ স্বস্তিবাদেনাভ্যর্চ্য সমুত্থাপ্য চ শঙ্করঃ। ব্রূত ব্রূতেতি ভগবান্ স্ময়মানোঽভ্যভাষত ॥৫৫॥
ত্র্যম্বকেণাভ্যনুজ্ঞাতাস্ততস্তে স্বস্থচেতসঃ। নমো নমো নমস্তেঽস্তু প্রভো। ইত্যব্রুবন্ বচঃ ॥৫৬॥

ইন্দ্রনা মাঙ থাদুনা মহাদেবগী নাক তাম লাক্লুনা চঙজখি ॥৪৮॥ অদুগী তুংদা ধর্মগী লাইয়াম পুম্নমকনা ঋষিমুনিশিংগা অমত ওইনা নিত্যব্রহ্মস্বরূপ ওইরবা মহাদেবগী স্তুতি তৌরগা নোঙ্মুক্লা চঙজখিদুনা মহাদেবগী পেন্নবা অকনব তপস্যা তৌবা হৌখি ॥৪৯॥ মহারাজ! অম্মাগী মশক ওইদুনা বিশ্বজগৎ অসিদা শীন্দুংনা লৈরিবা, নীঙবা পুথা পীনহৈবা, চঙজয়বদা থৌজানবিবা, কিদবা পীনহৈবা মহাদেবগী স্তুতিপানবু পুক্নীং চঙনা দেবতাশিংনা তৌবা হৌরকলে ॥৫০॥ অঙকপা ধ্যান তপস্যাগী শক্তিনা সমাধি অবস্থা য়ৌরবা মশাবু মশানা উজবা ওম, মশামথন্তগী আত্মাদা লৈবা সাংখ্যপুরুষগী স্বভাবপু উজওবা, লুমিৎচুম্ন পুক্নীং কৌবা ইন্দ্রিয়বু মথা পোন্না থম্ওবা, উমাপতি ওইবা, জগতা মাগা অমগা পান্দমনীঙায় লৈতবা, পাপকী শরুক য়াঙত্রবা, দেবতাপুম্বগী দেবতা ওইবা দেবদেব মহাদেবগী মূর্তিবু দেবতা পুম্বনা দর্শন কংখ্রে ॥৫১-৫২॥ মতম্ অদুদা মহাদেবনা মশাগী অমত ওইবা মূর্তিবু তোঙাণ তোঙান উৎনখি। মাদুদা দেবতাশিং অমুনা যোগী মুনিশিং অমুনা মানা মানা পান্জবা উনিংখা মূর্তিশিং অদু অমত ওইবা মহাদেবগী মকম্বূগী উবা ফংখি। মাদুমক্ দেবতাশিংদুগী মকম্বূদা থোইদোক্না ঙকনম্ থোকপা থবক অম ওইনা থোকখি ॥৫৩॥ দেবতাশিং অমুনা, ব্রহ্মর্ষি দেবর্ষি পুম্নমক্না পোকপশিব লৈতবা জগৎপতি মহাদেবগী মকম্বূদা কোক্নোম্না খুরুমনখি ॥৫৪॥ মতম্ অদুদা মোমোন্ নোক নোক্না আশীর্বাদ তৌরগা মহাদেবনা লাইয়াম্দা "হায়ু, হায়ু, করিনো? করি পাউ অম পুরকপগে?" অমুম্ হায়না হংখি ॥৫৫॥ মহাদেবগী য়াথং ফংবা দেবতাশিং অমুনা অমুম্না হায়খ্রই:—"প্রভু! ঐখোয়না হয় খ্রা খুরুমজরি ॥৫৬॥

নমো মেধাধিমেধায় ধষিনেঽধাভিষ্টবে । প্রজাপতিমখঘ্নায় প্রজাপতিভিরীড্যতে ।৫৭।
নমঃ স্তুত্যায় স্তবমানায় স্তুত্যবে । বিলোহিতায় চোগ্রায় নীলগ্রীবায় শূলিনে ॥৫৮॥
অমোঘায় মৃগাক্ষায় প্রবরায়ুধযোধিনে । অর্হায় চৈব শুদ্ধায় ক্ষয়ায় ক্রথনায় চ ।৫৯।
দুর্বারণায় শুক্রায় ব্রহ্মণে ব্রহ্মচারিণে । ঈশানায়াপ্রমেয়ায় নিয়ন্ত্রে চীরবাসসে ।৬০।
তপোনিত্যায় পিঙ্গায় ব্রতিনে কৃত্তিবাসসে । কুমারপিত্রে ত্র্যক্ষায় প্রবরায়ুধপাণয়ে ।৬১।
প্রপন্নার্তিবিনাশায় ব্রহ্মদ্বিট্‌সংঘঘাতিনে । বনস্পতীনাং পতয়ে নরাণাং পতয়ে নমঃ ।৬২।
গবাঞ্চ পতয়ে নিত্যং যজ্ঞানাং পতয়ে নমঃ । নমোঽস্তু তে সসৈন্যায় ত্র্যম্বকায়োগ্রতেজসে ।৬৩।

(কুলকম্)

লাইরামশিংমকী লাই ওইবা ।
লীরুং পায়বা শাউগনবা ।
দক্ষগী যজ্ঞ থুগাইবা ।
প্রজাপতিশিংগী চঙ্‌জকম্ ওইবা ।
ভূতভবিষ্যৎবর্ত্তমান,
মতমপুম্বদা নীঙনকম্ ওইবা ।
মৃত্যুগী শকলোল্ শকনাইবা ।
ঙাওলবা মিরাঙ্গম্বা লৈতেংবা ।
অকিবা শকলোল্ পুঙম্বা ।
নীলকণ্ঠ-খোরী শংবানবা ।
পিনাক লীরুং ত্রিশূল্ পায়বা
খুরমজরি হর অকন্‌বা ।
নীঙ্‌খিবা পুম্ব তৌঙম্বা ।
শজী মীত্তা তাঙম্বা ।
জগৎপু থুগাইবা অকনবা !
অমত ওইবা লাল্‌হৈবা ।
জগৎনা চঙজকম্ ওইঙম্বা ।
জগৎপু মাঙহন্‌বা অশেংবা ।
কত্তবু মাঙহন্‌বা-তুমহন্‌বা !
কনা অমতনা থিংঙম্‌দবা ।
হর হরবু খুরম্‌জরি,
অরান্‌ব পূম্ববু ঙাক্‌পিবা !
লুপাগী মতৌঙম্ অঙৌবা ।
ব্রহ্মগী অউবা শক্ ওইবা ।
ব্রহ্মচারী অকন্‌বা ।
জগৎকী নিংথৌ খাঙঙম্‌দবা !
জগত্ত নিয়ম্ তৌরিবা ।
কৈমউল-কৌপীন শেৎকন্‌বা ।
অকন্‌বা তাপস্যাগী মূর্ত্তিও ।
কোক্ত রাংলবা জটাপুবা ।
ব্রত তপস্যানিয়ম কন্‌বা ।
অকন্‌বা কার্ত্তিককী অপোকৃপা ।
মিরা অহরা লৈতেংবা ।
অঙকৃপা খুৎলায় পায়ঙম্বা ।
হর হরবু খুরম্‌জরি,
অরান্‌ব পূম্ববু ঙাক্‌পিবা ।
চঙ্‌জবমী অরাবা কোক্‌পিবা ।
নাস্তিকশিংবু তুম্‌হন্‌বা ।
লৈশাল লৈপাল উমংগী মপু ।
হর হরবু খুরমজরি ।

মনোবাক্কর্মভির্দেব। ত্বাং প্রপন্নান্ ভজস্ব নঃ। ততঃ প্রসন্নো ভগবান্ স্বাগতেনাভিনন্দ্য তান্।৬৪
প্রোবাচ ব্যেতু বস্ত্রাসো ব্রূত কিং করবাণি বঃ। দেবাঃ সর্বস্য বচনং শ্রুত্বা হর্ষযুতাস্তথা ॥৬৫॥
(যুগ্মকম্)

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
ত্রিপুরাখ্যানে সপ্তবিংশোঽধ্যায় ॥০॥ *

——:*:——

যজ্ঞগীমপু পশুপতি রুদ্র। ভূতপ্রেতনা পোক্তলোয় ওইরা।
তেজ কন্‌বা লাইয়ামগী লুচিংবা। হয় হয়বু ঐখোয়না খুরুমজে—
মঙ্গলগী শশক্ ওইবও। মঙ্গল ওইবিয়ু মহাদেব। ॥ ৫৭-৬৩ ॥

"হে মহাদেব। পৃক্লীং-হক্‌চাং-থরাই অমতা ওইনা ঐখোয়না নংগী মকমদা চত্তজরি। মহাক্লা ঐখোয় পূম্বয় চান্‌বিয়ু।" অসুমা হায়জববু তুংদা মহাদেবনা দেবতশিংদা খোইদোক্লা পেন্‌বিখ্রে। দেবতা পূম্নমকী মঙ্গল ওইবা রা-পাউ পূম্নমক্ হংলগা মহাদেবনা অসুমা হায়রকই:— "লাইরাম্ পুম্বা, করিমতা কিপন্নু, ঐবু করি তৌগে হায়ু।" মহাদেবগী রায় তাবদা লাইরাম্ পূম্নমক্ হয়াউরে ॥৬৪ ৬৫॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিংচামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা "ত্রিপুরাখ্যান" কুন্তরেৎতবা অধ্যায় লোইরে। × ০

——:-০-:——

শ্রীমহাভারতম্

অষ্টাবিংশোঽধ্যায়ঃ।

কুম্নিপালগুবা অধ্যায়ঃ

(ত্রিপুরারি মহাদেবনা ত্রিপুরাসুর হাৎপগী মতাং)

দুর্য্যোধন উবাচ।

পিতৃদেবর্ষিসংঘেভ্যোঽভয়ে দত্তে মহাত্মনা। সৎকৃত্য শঙ্করং প্রাহ ব্রহ্মা লোকহিতং বচঃ ॥১॥
তবাতিসর্গাৎ সর্বেশ। প্রাজাপত্যমিদং পদম্। ময়াধিতিষ্ঠতা দত্তো দানবেভ্যো মহান্ বরঃ ॥২॥

দুর্য্যোধননা হায়ঃ— খৌজাদ্ হৈরবা মহাদেবনা লাইরায়, ঋষি মুনিসমায় অমদি পিতৃ লোককী জীবপুম্বদা কিদবা-চিংনবা পিথিরবদা ব্রহ্মানা মহাদেবদা পুরমুক্লা অসুমা হায়রকই ঃ—

॥১॥ হে দেব,। নহাক্লা পীবিবা প্রজাপতিগী মালমবা কাথিক্লনা, অসিবোকনি হায়বা, মরায়

তামতিক্রান্তমর্য্যাদান্ নান্তঃ সংহর্ত্তুমর্হতি। ঘাতয়তে ভূতভবেশ ! ত্বং তেষাং প্রত্যরির্ভব ॥৩॥
স ত্বং দেব ! প্রপন্নানাং যাচতাঞ্চ দিবৌকসাম্। কুরু প্রসাদং দেবেশ ! দানবান্ জহি শূলধৃক্ ! ॥৪॥
ত্বৎপ্রসাদাজ্জগৎ সর্ব্বং সুখমেধতু মানদ ! । শরণ্যস্ত্বং হি লোকেশ ! তে বয়ং শরণং গতাঃ ॥৫॥

শ্রীভগবানুবাচ।

হন্তব্যাঃ শত্রবঃ সর্বে যুষ্মাকমিতি মে মতিঃ। ন ত্বেক উৎসহে হন্তুং বলস্থা হি সুরদ্বিষঃ ॥৬॥
তে যূয়ং সহিতাঃ সর্ব্বে মদীয়েনাপি তেজসা। জয়ধ্বং যুধি তান্ সর্ব্বান্ শত্রূনেতেন মহাবলান্ ॥৭॥

দেবা উচুঃ।

অস্মত্তেজোবলং যাবত্তাবদ্বিগুণমেব বা। তেষামিতি হ মন্যামো দৃষ্টতেজোবলা হি তে ॥৮॥

শ্রীভগবানুবাচ।

বধ্যাস্তে সর্ব্বতঃ পাপা যে যুষ্মাস্বপরাধিনঃ। মম তেজোবলার্দ্ধেন সর্বান্ নিঘ্নত শাত্রবান্ ॥৯॥

দেবা উচুঃ।

বিভর্ত্তুং তব তেজোঽর্দ্ধং ন শক্ষ্যামো মহেশ্বর ! । সর্ব্বেষাং নো বলার্দ্ধেন ত্বমেব জহি শাত্রবান্ ॥১০॥

কাহুনা থঙ্ হৌদহুনা ঐনা কত্রবা দানবশিংদা বরদান তৌরুমে ॥২॥ মখোয়না বরদান অদু কংবদগী অসি কাওবা তৌবগুবা হৌনৈ হায়বহুগী কাদগী হেন্দোকুলক্রে। হে দেব ! মহাদেব ! নহাক্ নত্তনা মখোয়সিবু ভূম্‌হনখিনবা কনা অমত লৈত্রে। হে ওইখোক্তববু ওইহনবা গুবা ! ওইপ্রবরুদু অমুক্ ওইহনবা ! নহাক্না কত্রবশিংগী য়েক্নবা অমুক্তদি ওইবিয়ু ॥৩॥ দেব দেব ! য়েংবিয়ু, লাইয়াম্‌শিংসিনা মখোওখোংনা লাক্‌না নত্তোন্দা চত্তজরি। অদুনা মখোয়গী মকম্‌দা অমুক্তদি পেনবিয়ু। ত্রিশূল ধারী মহাদেব ! কত্রব হিংচাবশিংসে মথুত্তা ভূম্‌হনবীয়ু ॥৪॥ চত্তজয়কৃপশিংগী মমায় ঙাক্‌পিবা ! নংগী কৃপাদগী কত্রবা অত্যাচারীশিংনা নৈবিয়বা জগৎ অসে অমুক্তদি চাওখৎহনবিয়ু। জগৎকী মকম্ পূম্বদা শান্তি পীনবিয়ু। হে জগদীশ্বর ! চত্তজয়কৃপবু কনবিহেব। ঐখোয়না মসিগীদমক্ত নংগী মকম্‌দা চত্তজরি ॥৫॥ মহাদেবনা হায়ঃ— ব্রহ্মা ! লাইয়াম্ নখোয়গী য়েক্নবশিংসে ঐনা হাৎকম্ থোক্‌ই। অদুবু ঐ ইখত্তনদি ঙম্মোই। মরম্‌দি অদুয়শিং নংগী বরদগী য়াম্না কা হেয় কমথ্রে ॥৬॥ অদুনা লাইয়াম্ পূম্নমক্ ! ঐগী তেজ থরসু পূম্নপা নখোয় পূম্নমক্ হৌদুনা কন্নবা য়েক্নব হিংচাবশিংসিবু জয় তৌ ॥৭॥ দেবতাশিংনা হায়রক্‌ই:— লাইয়াম্ ঐখোয় পূম্নপ্তা লৈরিবা তেজ অসে মখোয় অহম্‌তদা লৈ। অদুদগী হেন্দোক্‌না ঐখোয় ময়াম্‌গী তেজদগী মখোয়গী তেজনা দ্বিগুণ ওইবা য়াই। ঐখোয়, মসি, মখোয়গা শোক্ খেংনদুনা থাদৈ শেংনা খঙলবনি ॥৮॥ মহাদেবনা হায়ঃ— লাইয়াম্‌শা ! নখোয়না [illegible]দো হাৎপদা মতৌক্ তাবরনি। অদুনা নখোয়না মহাদেব ঐগী তেজ (শক্তি) অম শী[illegible] মখোয়বু হাৎলু ! ॥৯॥ লাইয়াম্‌না হায়ঃ— মহেশ্বর ! ঐখোয় ময়াম্না পূম্নপ হৌহনবু নহাক্কী তেজ ফংথাই অম

বয়ঞ্চ সর্বথা দেব। রক্ষণীয়াস্তথৈব চ। স নো রক্ষ মহাদেব। ভবেন হি শাস্ত্রবান্ ॥১১॥

শ্রীভগবানুবাচ।

মম তেজো ন শক্যা হি সর্বে ধারয়িতুং যদি। অহমেনান্ বধিষ্যামি যুষ্মত্তেজোঽর্দ্ধসংবৃতঃ ॥১২॥

দুর্য্যোধন উবাচ।

তথেত্যুক্তে দেবেশ[illegible] রাজসত্তম।। অর্দ্ধমাদায় সর্বে তু তেজসাভ্যধিকোঽভবৎ ॥১৩॥

স তু দেবো বলেনাসীৎ সর্বেভ্যো বলবত্তরঃ। মহাদেব ইতি খ্যাতস্ততঃ প্রভৃতি শঙ্করঃ ॥১৪॥

ততোঽব্রবীন্মহাদেবো ধনুর্বাণধরস্ত্বহম্। হনিষ্যামি রথেনাজৌ তান্ রিপূন্ বো দিবৌকসঃ। ॥১৫॥

তে যূয়ং মে রথঞ্চৈব ধনুর্বাণং তথৈব চ। পশ্যধ্বং যাবদদ্যৈতান্ পাতয়ামি মহীতলে ॥১৬॥

দেবা উচুঃ।

মূর্ত্তিং সর্বাং সমাধায় ত্রৈলোক্যস্য ততস্ততঃ। রথং তে কল্পয়িষ্যামো দেবেশ্বর। মহৌজসম্ ॥১৭॥

তথৈব বুদ্ধ্যা বিহিতং বিশ্বকর্মকৃতং মহৎ। ততো বিবুধশার্দ্দূলাস্তং রথং সমকল্পয়ন্ ॥১৮॥

বিষ্ণুং সোমং হুতাশঞ্চ তস্যেষুং সমকল্পয়ন্। শৃঙ্গমগ্নির্বভূবাস্য ভল্লঃ সোমো বিশাংপতে। ॥১৯॥

কাওব পুবা চম্জরেই। অদুনা মহাদেব নহাক্না ঐখোয় খরাইপুল্লপকী তেজ (শক্তি তংখাই লৌথোক্পিখিদুনা হেক্রবশিংসিবু হাৎপিয়ু ॥১০॥ মহাদেব! ঐখোয় পুম্বসে নহাক্না কনবিগদবনি। অদুনা ঐখোয়বু কনবিয়ু, য়েক্রব তুম্না হাৎপিয়ু ॥১১॥ মহাদেবনা হায়ঃ—করে, নখোয় পুম্বনা ঐ ইৎতুগী তেজ তংখাই অমকাও পুম চম্জ্রবদি, ঐনা নখোয় পুল্লপকী তেজ তংখায় অম পুদুনা নখোয়গী য়েক্রবশিংসে হাৎপিয়গে ॥১২॥ দুর্য্যোধননা হায়ঃ-মহারাজ! —মত্রনিংথৌ! "করেচুমডাইরে" অম্মম্ হায়না লাইয়াম্না য়ারবদা, মহাদেবসি মীকুপ অমগী মনুংদা যোগসাধনতনা দেবতাশিং পুল্লপ অংগী শক্তি তেজবীর্য্য তংখাই অম চিংশিনখিদুনা খুদক্ত, থোইদোক্না য়াং চাউরবা মূর্ত্তি অম পুখি ॥১৩॥ মুমিৎ অদুদগী শঙ্কর অসি খ্বাইদগী হেন্না কনবা অম ওইখিবদগী "মহাদেব" অম্মম্ হায়না জগৎনা হায়দগী অমুক্ হেন্না খঙনখি ॥১৪॥ অদুদগী তুংদা মহাদেবনা হায়খিঃ— লাইরাম্ পুম্নমক্! ঐ মহারথী অম ওইনা রথ মথক্ত তোংদুনা লীক্রং তেনা খুৎলাই ওইদুনা নখোয়গী য়েক্রবশিংবু হাৎকনি ॥১৫॥ অদুনা, করম্ করম্বা পোশক্না মচাক্ ওইদুনা ঐগী রথ, লীক্রং [illegible] শাগদৌরিবনো, মাদু নখোয়না থম্নো। ওসিমক্ ঐ, নোংমদোদ্দা পাইরিবা হিংচাবশিং অম্মবু লৈথাদা তাহল্লকে ॥১৬॥ লাইয়াম্না হায়ঃ— দেবেশ্বর! ঐখোয়না মরোল তদুম্দগী অক অকব পোত্ত খনগৎলগা নহাকী কজম্বা কম্বা রথ অদু শাগনি ॥১৭॥ অদুদগী তুংদা দেবতাশিংনা তাক্ তাক্পগী মতুংদা বিশ্বকর্ম্মানা পোচ্চেশিং অদু লাওখৎ পৈথৎলগা লাইয়াম্শিং খরাই য়াওনা মহাদেবনা তোংনবা রথ অদু শাথে ॥১৮॥ মহারাজ! বিষ্ণুগা চন্দ্রগ,

কূটালকাস্তথবিষ্কম্ভশ্চিত্রিবুথয়ে তদা । বন্ধুরং পৃথিবীং দেবীং বিশালপুরমালিনীম্ ॥২০॥
সপর্বতবনদ্বীপাং চক্রুর্ভূতধরাং তদা । মন্দরঃ পর্বতশ্চাক্ষং জঙ্ঘা তস্য মহানদী ॥২১॥

(যুগ্মকম্)

দিশশ্চ প্রদিশশ্চৈব পরিবারো রথস্য হ । ঈষা নক্ষত্রবংশশ্চ যুগঃ কৃতযুগোঽভবৎ ॥২২॥
কুবরশ্চ রথস্যাসীদ্বাসুকির্ভুজগোত্তমঃ । অপস্করমধিষ্ঠানং হিমবান্ বিন্ধ্যপর্ব্বতঃ ॥২৩॥
উদয়াস্তাবধিষ্ঠানে গিরী চক্রুঃ সুরোত্তমাঃ । সমুদ্রমক্ষমসৃজন্ দানবালয়মুত্তমম্ ॥২৪॥
সপ্তর্ষিমণ্ডলঞ্চৈব রথস্যাসীৎ পরিস্করঃ । গঙ্গা সরস্বতী সিন্ধুর্ধুরমাকাশমেব চ ॥২৫॥
উপস্করো রথস্যাসন্নাপঃ সর্বাশ্চ নিম্নগাঃ । অহোরাত্রাঃ কলাশ্চৈব কাষ্ঠাশ্চ ঋতবস্তথা ॥২৬॥
অনুকর্ষং গ্রহা দীপ্তা বরূথঞ্চাপি তারকাঃ । ধর্মার্থকামসংযুক্তং ত্রিবেণুং দারুবন্ধনম্ ॥২৭॥
ওষধীবিরুধশ্চৈব ঘণ্টাঃ পুষ্পফলোপগাঃ । সূর্য্যাচন্দ্রমসৌ কৃত্বা চক্রে রথবরোত্তমে ॥২৮॥

অগ্নিগা দেবতা অহুম্ অসিবু লাইরাম্না মহাদেবগী তেল ওইহনখি । মহাদেবগী তেল খুদিংদা দেবতা অহুম্ অসিনা মাগী মাগী শক্তি পুহনা চঙশি । তেল খুদিংদা অগ্নিনা তেলগী মতোল ওই, চন্দ্র (থা) না তেলগী মচৈ ওই ॥১৯॥ বিষ্ণুনা তেলগী মচিল ওইহনখি । চীঙ মান তুরেল নগর বন উপবন দ্বীপ অসিনচিংবা পূম্নমক্না থম্লবী পৃথিবীবু মহাদেবগী রথগী থরাইগী মরক চাক্লেন অহু ওইহনখি । মন্দর কোবা চীঙবু চাকা অনীগী মরক কৈরিবা যোৎ (থরা) অহু ওইখি । যোৎ অহুগী মথক কুপ্পা উ অহুনা গঙ্গাদেবীনা ওইখি ॥২০-২১॥

মায়কৈগে মরি, মায়কৈগে লাংদাই মরিনা রথ অহুগী অকোয়বদা থাজিনবা কল্লাং ওইখি । থরানমিচাক্ পূম্নমক্কা রথ অহুগী মশাদা য়াওরিবা লাংদাই উচম্ ওইরম্মি । সত্যযুগনা মরক্তা কৈবা উ অহু ওই ॥২২॥ লিল অথোইবা বাসুকিনা পোম্লগা চাক্লেঙ্গা কাজিরবা থৌরিহ ওই । হিমালয়না রথগী মনীঙথংবা কৈরিবা উ অহু ওই । বিন্ধ্যচীঙজাওনা ময়াম্ অসিবু পুরিবা চাকলেন অহু ওই ॥২৩॥ দেবতাশিংনা উদয় পর্ব্বতকা অস্তাচলগা অতোপ্প চাকা অনীগী লেংশিনকম্ উ অনীহু ওইখি । দৈত্যদানব পূম্নমক্কী লৈকম সমুদ্রবু চাকাশিং অহু তুননা কাজিরবা থৌরী ওইহনখি ॥২৪॥ সপ্তর্ষিনা চাকাগী মরায় চবুকী উ (মুগু) ওই । গঙ্গ, সরস্বতী, সিন্ধু অহুম্ অসিনা রথগী অকপ, তার ময়াম অসিগী থাংথাং উ অহু ওই । ॥২৫॥ তুখোং পূম্নমক্কী ঈশিং, তুরেল অতৈ অতৈনা অহিং নুংথিল, থা-পক-ঋতু পুম্ব ময়ামসিনা রথ অহুগী অতোপ অতোপ্পা মচাক্ মচামশুশিং অহু ওইখি ॥২৬॥ লংলবা [illegible]শিংনা রথগী মথাথংবা শরুকী উশিং অহু ওই । নক্ষত্রশিংনা রথ অহুগী মথক্কী কুমবা [illegible] অহুপ । ধর্ম-অর্থ কাম অহুমসিনা থৌরী অমমম অহুম খোক্কা তানবা থৌরী মল লংজাশিং অহু ওই ॥২৭॥ ওমদৈ

পক্ষৌ পূর্বাপরৌ তত্র কৃতে রাত্র্যহনী শুভে। দশ নাগপতীনীষাং ধৃতরাষ্ট্রমুখান্ দৃঢ়ান্ ॥২৯॥

(যুগ্মকম্)

দ্যাং যুগং যুগচর্মাণি সংবর্ত্তকবলাহকান্। সন্ধ্যাং ধৃতিঞ্চ মেধাঞ্চ স্থিতিং সন্নতিমেব চ ॥৩০॥

গ্রহনক্ষত্রতারাভিশ্চর্ম চিত্রং নভস্তলম্। সুরাম্বুপ্রেতবিত্তানাং পতীন্ লোকেশ্বরান্ হয়ান্ ॥৩১॥

কালপৃষ্ঠোঽথ নহুষঃ কর্কোটকধনঞ্জয়ৌ ইতরে চাভবন্ নাগা হয়ানাং বালবন্ধনাঃ ॥৩২॥

দিশশ্চ প্রদিশশ্চৈব রশ্ময়ো রথবাজিনাম্। বষট্কারঃ প্রতোদোঽভূদ্গায়ত্রী শীর্ষবন্ধনা ॥৩৩॥

সিনীবালীমনুমতিং কুহুং রাকাঞ্চ সুব্রতাম্। যোক্ত্রাণি চক্রুর্বাহানাং রোহকাংস্তত্র কণ্টকান্ ॥৩৪॥

কর্ম সত্যং তপোঽর্থশ্চ বিহিতাস্তত্র রশ্ময়ঃ। অধিষ্ঠানং মনশ্চাসীৎ পরিরথ্যা সরস্বতী ॥৩৫॥

নানাবর্ণাশ্চ চিত্রাশ্চ পতাকাঃ পবনেরিতাঃ। বিদ্যুদিন্দ্রধনুর্নদ্ধং রথং দীপ্তং ব্যদীপয়ন্ ॥৩৬॥

লৈতনা হাং চাউরবা রথ অসিগী অকোয়বদা য়াল্লিবা থেংলিবা শরীক মচা মচাশিং অদুনা পৃথিবীদা হৌরিবা পাল্লিবা উরী রারী মহৈ মরোং মনামশীং হিদাক লাংতকী উয়ীশিং অদুনা ওইখি। চাকানা সুমিৎ থা অনীনা ওই। মাদুদা শুক্ল কৃষ্ণপক্ষ অনীবু অহিং নুংথিলবু চাকাশিং অদুগী ময়কী মশা মচামচাশিং অদু হাপখি। ধৃতরাষ্ট্র কৌবনচিংবা লিল তরানা চাকা মশাশিং অদুবু অমগমগ কাজিনবা থৌরী ওইখি ॥২৮-২৯॥ আকাশ, সত্যনচিংবা যুগমরি, সংবর্ত্তক কৌবা নোং, সন্ধ্যা ধৃতি, মেধা স্থিতি, অধিষ্ঠাত্রী দেবতা ময়াম্না পোম্নচিংবা মরু ওইবা য়োং-উশিং অদুবু য়োম্শিন্নবা য়োংনচিংবা ওইখি ॥৩০॥ গ্রহ-নক্ষত্র-তারা খিবিরা তগুপ তম্বেংনা লংলবা নোংমদোন মকোয় অসিনা রথগী মথকী কূপ্পবা অদু ওই। ইন্দ্র বরুণ যম কুবের মাহগী ডাকপা লাই মরিসিনা রথ অদুগী শগোল ওইখি ॥৩১॥ কালপৃষ্ঠ, নাহুষ, কার্কোটক, ধনঞ্জয় অসিনচিংবা লিল অতৈ অতৈনা শগোলশিং অদুদগী মশোংবু কাজিনবা লাক্থংনবা থৌরী ওইখি ॥৩২॥ মায়কৈ পূম্বনা চূপলী, বষটকারনা শাজৈ, অদুগা গায়ত্রীনা শগোলগী মকোকী কাজিনবা থৌরী অদু ওইখি ॥৩৩॥ অমাবস্যাগী অহানবা অনীশুবা শরুক্ অনীবু অতগা পূর্ণিমাগী দেবতাশিংনা শগোলশিং অদুগী মমায়দা কূপ্পনবা য়ামনবা মায়খল অদু ওইহনখি। হায়রিবা তিথিশিং অসিগী অধিষ্ঠাত্রী দেবতা অমমম্বু শগোল অদুগী মমায়দা মকোক্তা কূপলিবা য়াল্লিবশিং অদুগী পীক্ল পীক্লবা য়োপীশিং অদু ওইহনখি। ॥৩৪॥ সৎকর্ম, সত্য, তপস্যা, সৎবিষয় পুম্নমক অসিনা মূর্ত্তি নাইনা নাইনা চোংথোরক্না রথ অদুগী মদুংদা কাজিন থোক্চিন্নবগী থৌরী মচামচা ওইখি। "পুরৌং"না রথগী থক্সম্, "বাক্য" (হাহৈ) না রথগী থৌজিনকম্ জীকলম্ ওইখি ॥৩৫॥ ইন্দ্রধনু (চুম্থাও) অমদি লোংথাং পাম্বেং পামেংনা রথ অদুগী-নুংশিৎ উপোক

যো যজ্ঞে বিহিতঃ পূর্ব্বমীশানস্ত মহাত্মনঃ। সংবৎসরো ধনুস্তদ্বৈ সাবিত্রী জ্যা মহাস্বনা ॥৩৭॥
দিব্যঞ্চ বর্ম্ম বিহিতং ভুমহার্হরত্নভূষিতম্। অভেদ্যং বিরজস্কং বৈ কালচক্রবহিষ্কৃতম্ ॥৩৮॥
ধ্বজযষ্টিরভূন্মেরুঃ শ্রীমান্ কনকপর্ব্বতঃ। পতাকাভিস্তাভবদ্ মেঘাস্তড়িদ্ভিঃ সমলঙ্কৃতাঃ ॥৩৯॥
রেজুরধ্বর্য্যমধ্যস্থা জ্বলন্ত ইব পাবকাঃ। কৢপ্তন্তু তং রথং দৃষ্ট্বা বিস্মিতা দেবতাভবন্ ॥৪০॥
সর্ব্বলোকস্য তেজাংসি দৃষ্ট্বৈকস্থানি মারিষ। যুক্তং নিবেদয়ামাসুর্দেবাস্তস্মৈ মহাত্মনে ॥৪১॥
এবং তস্মিন্ মহারাজ! কল্পিতে রথসত্তমে। দেবৈর্মনুজশার্দ্দূল! দ্বিষতামভিমর্দ্দনে ॥৪২॥
স্বান্যায়ুধানি দিব্যানি ন্যদধাচ্ছঙ্করো রথে। ধ্বজযষ্টিং বিয়ৎ কৃত্বা স্থাপয়ামাস গোবৃষম্ ॥৪৩॥ (যুগ্মকম্)
ব্রহ্মদণ্ডঃ কালদণ্ডো রুদ্রদণ্ডস্তথা জ্বরঃ। পরিস্কন্দা রথস্যাসন্ সর্ব্বতোদিশমুদ্যতাঃ ॥৪৪॥
অথর্ব্বাঙ্গিরসাবাস্তাং চক্ররক্ষৌ মহাত্মনঃ। ঋগ্বেদঃ সামবেদশ্চ পুরাণঞ্চ পুরঃসরাঃ ॥৪৫॥
ইতিহাসযজুর্বেদৌ পৃষ্ঠরক্ষৌ বভূবতুঃ। দিব্যা বাচশ্চ বিদ্যাশ্চ পরিপার্শ্বচরাঃ স্থিতাঃ ॥৪৬॥
স্তোত্রাদয়শ্চ রাজেন্দ্র! বষট্‌কারস্তথৈব চ ওঁকারশ্চ মুখে রাজন্নতিশোভাকরোঽভবৎ ॥৪৭॥

মরক্তা হাইহুম্না কজরবা কিরালমক্ত ওইরম্মি ॥৩৬॥ মমাঙৈদা মহাত্মা ওইরবা ঈশান দেবতাগী যজ্ঞদা পোকখিবা সংবৎসর হায়রবহুনা মহাদেবগী লীরুং অদুগা সাবিত্রীনা মখোল চৌরবী লীরী ওইখি ॥৩৭॥ কালচক্র (চক্রগী মতৌঙুম্না লৈরবা কাল কৌবা লাই) না মমল য়াম্নবা, মণিমুক্তা কয়ানা থাম্নবা, অমনা কক্পা ঙমদ্রবা, উফুল থাংদ্রবা, মহাদেবগী মপানগী হকচাংদা কুপ্পা কবচ (লালফুরৎ) ওইখি ॥৩৮॥ থোইদোক্পা নীঙথিজরবা রাংচাউরবা সনজীংনা রথগী মথক্ত রাংনা য়ুামলবা কিরাল অদু ওই। কিরাল মচামচানা নোংখাংনা মরক মরক্ত তগুপ তরেংনা ঙাল্লবা নোং মতুম মতুমাশংনা ওইখি ॥৩৯॥ মতম্ অদুদা কুলপুরোহিতশিংগী মরক্তা যজ্ঞগী চাকৃথৎলক্লবা মৈরিগুম্না কিরালশিং অদুনা থোইদোক্পা নীঙথিজখি। অদুগুম্না রথ অদুবু উবদা দেবতাশিং মশা মশামক্ লোইনা অঙকপা কংখি ॥৪০॥ দেবতাশিংনা রথ অসি মপুং ফানা শেম্শাবা লোইরবা তুংদা মহাত্মা মহাদেবদা রথ শাবা লোইরে হায়না তাকপুরে ॥৪১॥ মহারাজ! মজ্জনরেশ! লাইয়াম্না মতৌঙুম্না রথশাবা লোইরবদা মহারথী ওইদৌরিবা মাগী খুৎলায় ময়াম্ অদু রথ অদুগী মথক্তা হাপকৎখি। কিরালবু নোংমদোন খেৎনা পাইথৎহন্দুনা, কিরালদুগী মথক্তা কিরাল খুদম্ ওইনা মাগী বৃষভ (শন্ডোঙ) অদু থম্খি-খেৎখি ॥৪২-৪৩॥ অদুগী তুংদা ব্রহ্মদণ্ড কালদণ্ড, রুদ্রদণ্ড অমদি জ্বর (জ্বর কৌবা রোগনা মূর্ত্তি নাইনা) চোংথোরক্লুনা মায়পৈ পুম্বদা আক্রমণ তৌগদৌবগী মতংদা রথগী অকোয়বদা থোরাং তৌদুনা লেপখি ॥৪৪॥ অথর্বা কৌবা ঋষিগা অঙ্গিরাগা অনীন রথদুগী চাকাশেম্নবা ওইনা লৈরে। ঋগ সাম বেদনা অমদি পুরাণশিংনা মথগী মাঙ থানা-লৈখি ॥৪৫॥ ইতিহাস, যজুর্ব্বেদনা রথ অদুগী তুংগী শেম্নবা ওইনা লৈখি। দিব্য বাণী বিদ্যা কলা পুম্নমক্না রথ অদুগী নাকংদা লৈখি ॥৪৬॥ নিংথৌ অথোইবা!

বিচিত্রঋতুভিঃ ষড্‌ভিঃ কৃত্বা সংবৎসরং ধনুঃ। ছায়ামেবাত্মনশ্চক্রে ধনুর্জ্যামক্ষয়াং রণে ॥৪৮॥
কালো হি ভগবান্ রুদ্রস্তচ্চ সংবৎসরো ধনুঃ। তস্মাদ্রৌদ্রী কালরাত্রির্জ্যা কৃতা ধনুষোঽজরা ॥৪৯॥
ইষুশ্চাপ্যভবদ্বিষ্ণুর্জ্বলনঃ সোম এব চ। অগ্নীষোমং জগৎ কৃৎস্নং বৈষ্ণবং চোচ্যতে জগৎ ॥৫০॥
বিষ্ণুশ্চাত্মা ভগবতো ভবস্যামিততেজসঃ। তস্মাদ্ধনুর্জ্যাসংস্পর্শং ন বিষেহুর্হরস্য তে ॥৫১॥
তস্মিন্ শরে তিগ্মমন্যুর্মুমোচাবিষহং প্রভুঃ। ভৃগ্বঙ্গিরোমন্যুভবং ক্রোধাগ্নিমতিদুঃসহম্ ॥৫২॥
স নীললোহিতো ধূম্রঃ কৃত্তিবাসা ভয়ঙ্করঃ। আদিত্যায়ুতসঙ্কাশস্তেজোজ্বালাবৃতোঽজ্বলৎ ॥৫৩॥
দুঃসহশ্চাবনো জেতা হন্তা ব্রহ্মদ্বিষাং হরঃ। নিত্যং ত্রাতা চ হন্তা চ ধর্মাধর্মাশ্রিতান্ নরান্ ॥৫৪॥
প্রমাথিভির্ভীমবলৈর্ভীমরূপৈর্মনোজবৈঃ। বিভাতি ভগবান্ স্থাণুস্তৈরেবাত্মগুণৈর্বৃতঃ ॥৫৫॥

স্তব (স্তোত্রমন্ত্র) কবচমন্ত্রনচিংবনা অহুগা বষট্‌কার-ওঁকারনা মহাদেবগী মচীন্দা সিংহনাদনচিংবা লাউননবগী খোল্লাউ ওইহুনা লৈখ্রে ॥৪৭॥ মহাদেবগী ঋতু তরুকী লীরীনা তঙপ তরেংলবা সংবৎসর (চহী) কৌব লাইনা লীরুং ওইহনা মশামকী মমিনা লীরী অহুবু অমাঙ অতা লৈত্রবা, অমনা ককপা য়াত্রবা ওইহনখি ॥৪৮॥ ভগবান্ রুদ্র অসি মশামক কাল কৌবা লাইহুনি। মরম্ অহুনা কাল হায়বহুগী অবয়ব (অঙ্গ) ওইরিব সংবৎসর হায়বহুনা মহাদেব (রুদ্র) মকী লীরুং ওইবা য়াশ্রিবনি। কালরাত্রি হায়বহুসু রুদ্রগী অংশ অমনি। অহুনা হায়রিব কালরাত্রি অসিমকপুসু লীরুং অহুগী অমাঙ অতা লৈত্রবা লীরী শৈশিন অম ওইনা লৈহনখি ॥৪৯॥ মহাদেবগী তেলদি বিষ্ণু, অগ্নি, চন্দ্র অহুম অসিনা ওই। মরমদি জগৎ পুম্নমক অসিমক অগ্নি অমসুং চন্দ্রগী মশক্নি। অহুগা জগৎ অসিমক বিষ্ণুমকীসু মশক্নি ॥৫০॥ বিষ্ণু হায়বসি ভগবান্ রুদ্রগী আত্মানি। অহুমক্তনা দানবশিংনা মহাদেবগী লীরুংগী লীরীগী চৈনাবু খাঙবা ঙমখিদে ॥৫১॥ খোইনা শাউরবা, মতীকমঙুণ চাউরবা মহাদেবগী তেলশিংগী মচীন্দা ভৃগু-অঙ্গিরাগী অশাউবগী মৈহৌখি। অহুনা তেলশিং অহুনা মচীন্দগী হৌরকপা মৈরিবু কনা অমতনা খাঙবা ঙমদবগী মওংদা লীরুংদগী হেক হেক পাইখোকখিবনি ॥৫২॥ মতম অসিদা মৈখু মচু মাল্লবা, কৈমউনশেংপা অকিবশককম্ পুরবা মহাদেব অসি মশামথন্তগী হকচাংকায়রাৎ পুম্বদগী কাপখোমকপা মৈরিনা পুনকুপ কূপখিহুনা সুমিৎ লিশিং অমদগী হেম্না পুমলংলংনা চাকখি ॥৫৩॥ ধর্ম্ম কায়দবশিংগী অঙাকপা মপু, ধর্ম্ম কায়রব পাপীশিংবু তুমহন্‌বা, বেদবু নিন্দা তৌবা নাস্তিকশিংবু লৈখা তাহনবা, খোখোৎপবু ঙম্বা, বিশ্বজগৎপু সংহার তৌবা মহদেব অসি মতম অসিদা করিগুম কনাগুম অমত্তা খাঙঙমদব মূর্ত্তি পুখ্রে ॥৫৪॥ য়েরুবা নৈহৎপা ঙম, অকিবগী মশক ওইবা শক্তি পুবা, পুক্নিং চুজুংবা পোকপা মূর্ত্তিপুব, পুক্নীংগী মতৌঙম্না শাকুকনবা-য়াংলবা, লালগী মপোৎ মচৈকনা পুমকোর কোয়শিল্লবা ভগবান্ মহাদেব অসি য়েংবদা খোইরোক্না অকিবকনা মীঙখিবখি ॥৫৫॥

ত্বত্প্রাণানি সমাশ্রিত্য স্থিতঃ বিশ্বমিদং জগৎ। যজ্জনাতঙ্কমং রাজন্! ভূতভেত্তুর্দ্ধর্ষণম্ ॥৫৬॥
দৃষ্ট্বা তন্তু রথং যুক্তং কবচী স শরাসনী। বাণমাদায় তং দিব্যং সোমবিষ্ণ্বগ্নিসম্ভবম্ ॥৫৭॥
তস্য রাজংস্তদা দেবাঃ কল্পয়াঞ্চক্রিরে প্রভোঃ পুণ্যগন্ধবহং রাজন্! শ্বসনং দেবসত্তম ॥৫৮॥
তমাস্থায় মহাদেবস্ত্রাসয়ন্ দৈবতান্যপি। আরুরোহ তদা যত্তঃ কম্পয়ন্নিব মেদিনীম্ ॥৫৯॥
তমারুরুক্ষুং দেবেশং তুষ্টুবুঃ পরমর্ষয়ঃ। গন্ধর্ব্বা দেবসংঘাশ্চ তথৈবাপ্সরসাং গণাঃ ॥৬০॥
ব্রহ্মর্ষিভিঃ স্তূয়মানো বন্দ্যমানশ্চ বন্দিভিঃ। তথৈবাপ্সরসাং বৃন্দৈর্নৃত্যাভির্নৃত্যকোবিদৈঃ ॥৬১॥
স শোভমানো বরদঃ খড়্গী বাণী শরাসনী। হসন্নিবাব্রবীদ্দেবান্ সারথিঃ কো ভবিষ্যতি ॥৬২॥
(যুগ্মকম্)

তমব্রুবন্ দেবগণা যং ভবান্ সংনিযোক্ষ্যতে। স ভবিষ্যতি দেবেশ! সারথিস্তে ন সংশয়ঃ ॥৬৩॥
তানব্রবীৎ পুনর্দ্দেবো মত্তঃ শ্রেষ্ঠতরো হি যঃ। তং সারথিং কুরুধ্বং মে স্বয়ং সঞ্চিন্ত্য মা চিরম্ ॥৬৪॥
এতচ্ছ্রুত্বা ততো দেবা বাক্যমুক্তং মহাত্মনা। গত্বা পিতামহং দেবং প্রসাদ্যেদং বচোঽব্রুবন্ ॥৬৫॥
যথা ত্বৎ কথিতং দেব! ত্রিদশারিবিনিগ্রহে। তথা চ কৃতমস্মাভিঃ প্রসন্নো নো বৃষধ্বজঃ ॥৬৬॥

নিংথৌ, মহেশ্বর! য়েংবদা অতকপগী মশক ওইরবা অচচ্ছত্তগী মশক ওইরবা জগৎ মপুম অসিমনা মহাক্কী অক্দা আশ্রয় লৌদুনা লৈগ্রবদা মহাদেবগী মশাদা হায়নিংঙাই লৈত্তনা করবা অম পোকখি ॥৫৬॥ অসিগী মতুংদা মহাদেবনা রথ অদু শেমশাবা লোইরদুনা লৈবদু উবদা কবচ জীচ্ছন্দুনা, লীক্রং পায়খত্তুনা বিষ্ণু, অগ্নি-চন্দ্র অহুমসিগী শক্তি চঙগ্রবা তেলশিং অদু পায়দুনা চপ্ চেপ্তুনা লৈখি ॥৫৭॥ নিংথৌ! মহাদেবগী মুংঙাইনবা পেন্নবগীদমক্তা দেবতাশিংনা বায়ু দেবতাদা মকলগী মশক ওইরবা মুংশিরবা মনমপুদুনা হুম্‌হনখি ॥৫৮॥ অসিগী তুংদা মহাদেবমা দৈত্যদানবপুম্নমক্কী মমীত্তা অকিবাতুজংবা পোক্‌হন্দুনা, দানব পুম্নমকপু লোইথোকপিরগে খন্দুনা পৃথিবীসি থক্‌থক্ নীক্‌হন্দুনা রথ মথক অদুদা কাখৎকদবগী থৌরাং তৌখ্রে ॥৫৯॥ মহাদেবনা অসুম থৌরাং তৌরব মতম্‌সিদা মহর্ষিশিংনা, দেবতাশিংনা, গন্ধর্ব্বশিংনা অমদি অপ্সরাশিংনা মহাদেবগী স্তুতিগান তৌখি ॥৬০॥ ব্রহ্মর্ষিশিংনা স্তুতিগান তৌরকই, সিদ্ধচারণশিংনা খুরুম্মি, জগোইশাবা অপ্সরাশিংনা জগোই শারকই। মতম অসিদা বরপীনহৈবা মহাদেবনা থাঙশাং, লীক্রং, তেল, পায়খৎয়ান্‌খত্তুনা মোম্মোন নোক্কুনা দেবতাশিংদা "সারথিদি কনানা ওইগদৌরি?" অসুম্না হায়রকই ॥৬১-৬২॥ মতম অদুদা দেবতাশিংনা হায়রকই :—"দেবদেব! নহাক্না ওইক্নীডবা অদুনা শোয়দনা ওইগনি। মাসিদা থক চিংনকম্ লৈতে ॥৬৩॥

মহাদেবনা হায় :— লাইরাম্‌শা! নখোয়না বিচার মুম তৌরগ। ঐখক্তগীচু হেনবা অখোইবা কনাডবা অমবু সারথি ওইহন্নবা তৌ, থীন্‌গনু ॥৬৪॥ মহাদেবগী বাসি তাবদা লাইরাম্‌না ব্রহ্মাগী নাক চৎশিনখিদুনা অসুম্না হায়খি ॥৬৫॥ পিতামহ! অসুম মঙ্গাম্ হাৎননবা ঐখোয়দা

রথশ্চ বিহিতোঽস্মাভির্বিচিত্রভুবনসংস্থিতঃ। সারথিঞ্চ ন জানীমঃ কঃ স্যাদস্মিন্ রথোত্তমে ॥৬৭॥
তস্মাদ্বিধীয়তাং কশ্চিৎ সারথির্দেব সত্তমঃ। সফলাং তাং গিরং দেব। কর্ত্তুমর্হসি নো বিভো। ॥৬৮॥
এবমস্মাসু হি পুরা ভগবন্নুক্তবানসি। হিতং কর্ত্তাস্মি ভবতামিতি তৎ কর্ত্তুমর্হসি ॥৬৯॥

স দেব। যুক্তো রথসত্তমো বৈ দুরাধর্ষো দ্রাবণঃ শাত্রবাণাম্।
পিনাকপাণির্বিহিতোঽত্র যোদ্ধা বিভীষয়ন্ দানবানুদ্যতোঽসৌ ॥৭০॥
তথৈব বেদাশ্চতুরো হয়াগ্র্যা ধরা সশৈলা চ রথো মহাত্মনঃ।
নক্ষত্রবংশানুগতো বরূথী হরো যোদ্ধা সারথির্নাভিলক্ষ্যঃ ॥৭১॥

তত্র সারথিরেষ্টব্যঃ সর্বৈরেতৈর্বিশেষবান্। তৎপ্রতিষ্ঠো রথো দেব।। হরো যোদ্ধা তথৈব চ।
কবচানি সশস্ত্রাণি কার্ম্মুকঞ্চ পিতামহ ॥৭২॥ ত্বামৃতে সারথিং তত্র নান্যং পশ্যামহে বয়ম্।
ত্বং হি সর্বগুণৈর্যুক্তো দেবতেভ্যোঽধিকঃ প্রভো। ॥৭৩॥
স রথং তূর্ণমারুহ্য সংযচ্ছ পরমান্ হয়ান্। জয়ায় ত্রিদশেশানাং বধায় ত্রিদশদ্বিষাম্ ॥৭৪॥

তাকৃপিবা পূম্বহ লোইনা তৌজরে। মহাদেবনা উচিম্নাচীম্না য়াবিহুনা লালচংগদবগী থৌরাং লোইরে ॥৬৬॥ রথ শেম্লারে, থুংগু খুংলাই পুম্বা শুনা থৌরাং লোইজরে। হৌজিক্ সারথি কনানা ওইগদগে হায়বগু লাম্বা কংজে ॥৬৭॥ অদুনা প্রভু। পিতামহ। কনানো অথোইবা দেবতা অমবু থুন য়াংনা মহাদেবগী সারথি ওইহনবিয়ু। ঐখোয়না হায়জরিবসে মহৈয়ানহল্লাবয়ু ॥৬৮॥ ভগবন্। ঐখোয়গী কান্নবা তৌবিগনি হয়না মমাংদা নহাক্না তাকৃপিখি। অদুনা মাহ হৌজিক্ পাঙথোক্লিবিরো ॥৬৯॥ হে দেব। পিতামহ। লাকৃওম্ কাংমজবা, য়েংবদা অকিবগী মশক্ ওইরবা রথ অদো হৌজিক শেম্লাহনা তাইহনা লৈরে। মাদুদা মহাদেবনা মহারথী ওইহনা লাঙ্গ'গদবগী থৌরাং লোইহনা লৈরে। দানবশিংগী থম্মোয়দা অকিবা তুজুংবা পোক্হন্দুনা এখোয়বু তুম মাংহনগদবগী থৌরাং লোযহনা লৈরে ॥৭০॥ বেদ মরিনা শগোল মরি ওইরে চীংমানগা লোইনরবা পৃথিবীনা রথ ওইরে, নক্ষত্র পুম্নমক্ কিয়াল ওইরে, বিশ্বজগৎ অসিগী মথুংদা লৈরিবা অচঞ্চল পুম্বনা মাগী মাগী শক্তিবু রথ অসিগী শাবদা মচাক্ ওইনা হাপ্লে, মহাদেবনা মহারথী ওইহনা লৈরে। অদুবু হৌজিক্ কাওবা সারথিদি মকম্ থংদ্রি ॥৭১॥ অদুনা হে পিতামহ। আসগুম রথ আসগী শগোলবু থৌননবা থরাইদগী মতিক্চাবা অমবু থুনা য়াওনা থনকম্ থোক্লে। রথদা কাখৎকদবগী মহারথি ওইহনা মহাদেবনা তাইহনা লৈরে। লালগী লালকুবিৎনচিংবা লালগী পোৎলোই সম্পোৎ পুম্বা হাপকৎ শেৎকহনা। থৌরাং লোইহনা লৈরে ॥৭২॥ প্রভু। শাউবিগনু, পিতামহ ব্রহ্মা নহাক্ নত্তনা অসিগুম রথ অসিগী সারথি ওইবিনবা মতিক্চাবা অমত উব ফংজদ্রে। মরমদি পিতামহত্তনা ঐখোয় লাইশাম্ থিবিকী অথোইবা ওইহনা লৈবিরি ॥৭৩॥ মরম্ অদুনা থীনবিয়গনু, রথ মথক্ কাখৎপিয়গা সারথিগী আসন্দা লেংশিন-

ইতি তে শিরসা নত্বা ত্রিলোকেশং পিতামহম্। দেবাঃ প্রসাদয়ামাসুঃ সারথ্যায়েতি নঃ শ্রুতম্ ॥৭৫॥

পিতামহ উবাচ। *

নাস্ত্র কিঞ্চিন্মৃষা বাক্যং যদুক্তং ত্রিদিবৌকসঃ। সংযচ্ছামি হয়ানেষ যুধ্যতো বৈ কপর্দ্দিনঃ ॥৭৬॥
ততঃ স ভগবান্ দেবো লোকস্রষ্টা পিতামহঃ। সারথ্যে কল্পিতো দেবৈরীশানস্য মহাত্মনঃ ॥৭৭॥
তস্মিন্নারোহতি ক্ষিপ্রং স্যন্দনে লোকপূজিতে। শিরোভিরগমন্ ভূমিং তে হয়া বাতরংহসঃ ॥৭৮॥
আরুহ্য ভগবান্ দেবো দীপ্যমানঃ স্বতেজসা। অভীষূন্ হি প্রতোদঞ্চ সংজগ্রাহ পিতামহঃ ॥৭৯॥
তত উত্থাপ্য ভগবান্ তান্ হয়াননিলোপমান্। বভাষে চ তদা স্থাণুমারোহেতি সুরোত্তমম্ ॥৮০॥
ততস্তমিষুমাদায় বিষ্ণুসোমাগ্নিসম্ভবম্। আরুরোহ তদা স্থাণুর্ধনুষা কম্পয়ন্ পরান্ ॥৮১॥
তমারূঢ়ন্তু দেবেশং তুষ্টুবুঃ পরমর্ষয়ঃ। গন্ধর্ব্বা দেবসংঘাশ্চ তথৈবাপ্সরসাং গণাঃ ॥৮২॥
স শোভমানো বরদঃ খড়্গী বাণী শরাসনী। প্রদীপয়ন্ রথে তস্থৌ ত্রীল্লোঁকান্ স্বেন তেজসা ॥৮৩॥

বিরগা লাইয়াম্গী জয় ওইননবা দৈত্যদানব পুম্নমক্কী মাঙতাক্নবা লাক্লাও অসিদা শগোলশিং অসিবু অমুক্ত নীঙথিনা থৌবিয়ু ॥৭৪॥ মন্ত্ররাজ। মতৌ অসুম্না লাইয়াম্না মকোক্ নোম্না মরোল অহুম্ শেম্বীবা ব্রহ্মাদা সারথি ওইবীয়ু হায়না হায়জখি হায়বসি অদুগা ব্রহ্মাগী পেন্ননবা লৈশি লৈথোনখি হায়বসি ঐথোয়না তায় ॥৭৫॥ ব্রহ্মানা হায়ঃ— লাইয়াম্ পুম্না। নথোয়না ঐঙোন্দা হায়রিবসে ওইদব অমত য়াওদে। অদুগা করে, ঐ মহাদেবগী শগোল থৌবা সারথী ওইরগে ॥৭৬॥ অদুদগী মুংঙাইরবা লাইয়ামনা লোক্পুম্নবু শেম্বিবা ব্রহ্মাবু মহাদেবগী সারথি হাপখ্রে ॥৭৭॥ জগৎনাপূজাতৌনরবা রাং চাউরবা রথঅদুদা ব্রহ্মানা সারথি ওইনা কাখৎখ্রবদা মুংশিৎ কুম্না য়াঙলবা শগোলশিং অদুনা মকোক্মকোক্না পৃথী, লৈমায়থক্পু শোক্না খুররখি ॥৭৮॥ অদুদগী ব্রহ্মানা রথ অদুদা কাখত্তুনা মশামথন্তগী মশেক মঙাম্না পূমলং লাংনা শগোল চুপ্লীপ্না শাক্লৈজদুগা পায়খৎখি ॥৭৯॥ মতম্ অদুদা ব্রহ্মানা; মুংশিৎকী তেজ পূবগা শগোলশিং অদু থোগদবগী থোরাং তৌরগা দেবদেব মহাদেব রথ মথক্তা কাখৎতুনা মহারথী ওইবিরো হায়না হায়জখি ॥৮০॥ মতম্ অদুদা দেবদেব মহাদেব বিষ্ণু অগ্নি চন্দ্র অহুমগী শক্তিদগী পোকখিবা তেলশিং অদুগা লোয়ননা লীরুং অদু খুৎম্ চেৎনা পায়দুনা য়েক্নবশিংবু থকথক নীকহন্দুনা রথ মথক্তা কাখৎখি ॥৮১॥ মহাদেবনা রথমথক্তা কাখৎখ্রবদা মহর্ষিশিং, গন্ধর্বশিং সিদ্ধসাধ্যচারণ অপ্সরাশিংনা নীঙথিবা রাগৈ শৈরেংনা মহাদেবগী লৈশি লৈথোনখি ॥৮২॥ অদুগী তুংদা অকনবগী ওন পুম্নমক্কা লৈতেং ওইরবা, থবগীনহৈব মহাদেবনা থাঙতা লীরুং তেমচিংবগা লোয়ননা রথ মথক্তা, মরোল অহুম্ মশা মথন্তগী তেজনা পূথাওল ওালহন্দুনা; লাম্লংগদবগী থোরাং লোইদুনা

ততো ভূয়োঽব্রবীদ্দেবো দেবানিন্দ্রপুরোগমান্। ন হন্তাস্মীতি কর্ত্তব্যো ন শোকো বঃ কথঞ্চন ।৮৪।
হতানিত্যেব জানীত বাণেনানেন চাসুরান্। তে দেবাঃ সত্যমিত্যাহুর্নিহতা ইতি চাব্রুবন্ ।৮৫।
ন চ তদ্বচনং মিথ্যা যদাহ ভগবান্ প্রভুঃ। ইতি সঞ্চিন্ত্য বৈ দেবাঃ পরাং তুষ্টিমবাপ্নুবন্ ।৮৬।
ততঃ প্রয়াতো দেবেশঃ সর্ব্বৈর্দেবগণৈর্বৃতঃ। রথেন মহতা রাজন্ উপমা যস্য নাস্তি হ ।৮৭।
স্বৈশ্চ পারিষদৈর্দেবঃ পূজ্যমানো মহাযশাঃ। নৃত্যদ্ভিরপরৈশ্চৈব মাংসভক্ষৈর্দুরাসদৈঃ।
ধাবমানৈঃ সমন্তাচ্চ তর্জ্জমানৈঃ পরস্পরম্ ।৮৮। (যুগ্মকম্)

ঋষয়শ্চ মহাভাগাস্তপোযুক্তা মহাগুণাঃ। আশংসুর্বিজয়ং দেবা মহাদেবস্য সর্বশ ।৮৯।
এবং প্রয়াতে বরদে লোকানামভয়ঙ্করে। তুষ্টমাসীজ্জগৎ সর্বং দেবতাশ্চ নরোত্তম! ।৯০।
ঋষয়স্তত্র দেবেশং স্তুবন্তো বহুভিঃ স্তবৈঃ। তেজশ্চাস্মৈ বর্দ্ধয়ন্তো রাজন্নাসন্ পুনঃ পুনঃ ।৯১।।
গন্ধর্ব্বাণাং সহস্রাণি প্রযুতান্যর্বুদানি চ। বাদয়ন্তি প্রয়াণেঽস্য বাদ্যানি বিবিধানি চ ।।৯২।।
ততোঽধিরূঢে বরদে প্রয়াতে চাসুরান্ প্রতি। সাধু সাধ্বিতি বিশ্বেশঃ স্ময়মানোঽভ্যভাষত ।৯৩।
যাহি দেব! যতো দৈত্যাশ্চোদয়াশ্বানতন্দ্রিতঃ। পশ্য বাহ্বোর্বলং মেঽদ্য নিঘ্নতঃ শাত্রবান্ রণে ।৯৪।

লৈখি ॥৮৩॥ অদুগী তুংদা মহাদেবনা ইন্দ্রনচিংবা লাইয়ামদা অসুম্না হায়রকই :—দেবতাশিং পুম্নমক্! ঐনা লাঙ্গুংবসিদা "হিংচাবশিংবু হাৎপিয়ু"—হায়বা রাসি থক্ হায়গনু। অদুগা রাসু রাগনু ॥৮৪॥ মরমদি হিংচাবশিংসে হাৎলবগুম্বনি হায়বসি থগুত্। মহাদেবগী রা তাবদা লাইয়ম্না "মাহ্র অচুম্ব মক্নি, মখোয়শিরে!" অসুম্না মচীন মচীন্দা থগুহৌদনা হায়দোকৃখি ॥৮৫॥ ভগবান্ মহাদেবনা হায়খ্রিবপুম্বদো অচুম্বনি, মীনম্ব ওইদবা অমত নত্তে হায়না খল্লদুনা দেবতাশিং অদো থোইদোক্না হরাউজখি ॥৮৬॥ মহারাজ! দেবতাপুম্নমক্না ঈকোয় কোয়শিল্লুনা মহাদেব অসি, প্রমাণলৈতনা রাং চাউরবা রথমথক অদুদা। কাখতুনা রণযাত্রা তৌখ্রে। মতম্ অদুদা মহাদেবগী ভূতপ্রেত প্রমথনচিংবা খোংলোয় পুম্নমক্না হরাউতখায়া লাউখোংদুনা জগোই শাদুনা, চোংকল্লদুনা, কাতুকায়ল্ চেল্লদুনা মহাদেবগী স্তুতি শক্না শক্না লাল্কম্দা ইরকৃই ॥৮৭·৮৮॥ পুক্চেল চাউরবা তপস্বীশিংনা, ঋষিশিংনা গুণচেল্লবা, দেবতাশিংনা মানমানা লৈজবা শক্তিনা মহাদেবগী মকম্দা লালজয় ওইনবা আশীর্ব্বাদ তৌখি মঙ্গল ওকখি ॥৮৯॥ নিংথৌ! বরপীনহৈবা জগৎকী অকিবা অরাবা কোকৃপিহৈবা মহাদেবনা লাম্লগুকৃপসিদা জগৎপুম্বা পেনখ্রে, দেবতা-পুম্বা হরাউখ্রে ॥৯০॥ মহারাজ! ঋষিশিং দেবতাশিংন অদুকী মতীক্ মহাদেবগী স্তুতিগান তৌরগা অদুগী মতীক্ মহাদেবগী তেজ অদু অমুম্মুম্ হেনগৎখি ॥৯১॥ লালগী যাত্রা তৌরগা মতম্সিদা গন্ধর্ব্বশিংনা পুংশেল যন্ত্র, মথল্ মথল্ রৈবি খোংখি ॥৯২॥ ব্রহ্মানা সারথিগী আসনদা কম্লদুনা শগোল থৌবা হৌরকপা মতমসিদা মহাদেবনা "সাধু! সাধু!" হায়না হরাউনা নোক্না হায়খি ॥৯৩॥ মহাদেবনা হায়রকই :—"দেব! পিতামহ! থৌবিয়ু, থৌবিয়ু; দৈত্যশিংনা

ততোঽশ্বাংশ্চোদয়ামাস মনোমারুতরংহসঃ। যেন তত্ত্রিপুরং রাজন্। দৈত্যদানবরক্ষিতম্ ॥৯৫॥
পিবদ্ভিরিব চাকাশং তৈর্হয়ৈর্লোকপুজিতৈঃ। জগাম ভগবান্ ক্ষিপ্রং জয়ায় ত্রিদিবৌকসাম্ ॥৯৬॥
প্রয়াতে রথমাস্থায় ত্রিপুরাভিমুখে ভবে। ননাদ সুমহানাদম্বৃষভঃ পূরয়ন্ দিশঃ ॥৯৭॥
বৃষভস্যাস্য নিনদং শ্রুত্বা ভয়করং মহৎ। বিনাশমগমংস্তত্র তারকাঃ সুরশত্রবঃ ॥৯৮॥
অপরেঽবস্থিতাস্তত্র যুদ্ধায়াভিমুখাস্তদা। ততঃ স্থাণুর্ম'হারাজ! শূলধৃক্ ক্রোধমূর্চ্ছিতঃ ॥৯৯॥
ত্রস্তানি সর্বভূতানি ত্রৈলোক্যং ভূঃ প্রকম্পতে। নিমিত্তানি চ ঘোরাণি তত্রাসন্ দধতঃ শরম্ ॥১০০॥
তস্মিন্ সোমা'গ্নিবিষ্ণুনাং ক্ষোভেণ ব্রহ্মরুদ্রয়োঃ। স রথো ধনুষঃ ক্ষোভাদতীব হ্যবসীদতি ॥১০১॥
ততো নারায়ণস্তস্মাচ্ছরভাগাদ্বিনিঃসৃতঃ। বৃষরূপং সমাস্থায় উজ্জহার মহারথম্ ॥১০২॥
সীদমানে রথে চৈব নর্দ্দমানেষু শত্রুষু। স সংভ্রমাত্তু ভগবান্ নাদং চক্রে মহাবলঃ ॥১০৩॥
বৃষভস্য স্থিতো মূর্দ্ধ্নি হয়পৃষ্ঠে চ মানদ।। তদা স ভগবান্ রুদ্রো নিরৈক্ষদ্দানবং পুরম্ ॥১০৪॥

লৈরিবা মকম্ আসোম্দা রথ অসি চেক্শিন্না থোবিয়ু। ঐ দৈত্যদানবশিংবু লোইনা তুম হাংকে। ঐগী পান্বোমগী পান্ননসু মউবিহো—"—॥৯৪॥ নিংথৌ! অদুগী তুংদা দৈত্যদানবশিংনা ক্রক্ ক্রক্ ঈরনা লৈদুনা ঙাকশেল্লিবা পুর (নগর) অদুমদুনা লৈরিবা মায়কৈদোমদা ব্রহ্মানা সুংশিং মমাঙ্ থানা চেল্লবা শগোলশিং অদু প্রপ্রপ্ থোজিল্লকই ॥৯৫॥ মতম্ অসিদা জগৎনা পূজা-তৌরবা শগোল মরি অসী আকাশবু থক্চিন্ থক্চিন্না পাইশিল্লক্পগী মতৌঙ্মা চেল্লকই। অসিগুম্বা রথদা ভগবান্ মহাদেবনা দৈত্যদানবা পুম্ববু জয় তৌগে হায়না চঙশিল্লকৃলি ॥৯৬॥ মহাদেবনা রথ অদুদা তোংখত্তুনা ত্রিপুররোমদা চঙশিল্লক্লবদা ক্ষিরাল্ মতোন্দা তোংলিবা শল্লাবদুনা অকিব খ'না খোঙকই ॥৯৭॥ মতম্ অদুদা তারাকাস্বরগী মচা মশূশিং অদু অকিবগী মশক্ কংলবা খোল্লাউ অদু তাবদা থুদক্তা মশক্ উহন্ থিজ্রে ॥৯৮॥ হিংচাবা থরদি থেংনগদবগী লেপ্তুনা লৈহৌই। মহারাজ! মাদু উবদা থুত্তা ত্রিশূল পায়রবা মহাদেবগী শাউবনা লৈকম্ থঙ-থিদে ॥৯৯॥ মহাদেবনা তেল অম হেক পায়থৎলক্পা মতম্দা জীবপান্ বপুম্ব থক্ থক্ নীক্থি, মরোল অদুম্ অসি থক্থক্ নীকই। তমথিরব শত্রবা থুদম্ মক্ত উথি ॥১০০॥ মতম্ অদুদা তেঞ্জেন্দা উহন্দবা শক্তিগা লোয়নবা তোংখিবা বিষ্ণু অগ্নি চন্দ্রগী অদুগা রথমথক্ত লৈরিবা ব্রহ্মাগী অদুগা মহাদেবগী লীক্লং তেলন হাইরক্ হুমকপগী ভারনা রথ অদু লৈপুং কনয়াম্মা ফুম্জিন্থি ॥১০১॥ মতম্ অদুদা নরায়ণ বিষ্ণু মশামক্তা তেল অদুগী মসুংদগী অংশ অম ওইথোরক্তুনা শঙ্গাও অমগী মশক লৌদুনা রাং চাউরবা রথ অদুবু লৈপুংদগী থাংগৎ-হুৎকৎথি ॥১০২॥ রথ অদুনা লৈপুংদা নম্থিনবা মতম্দা মায় উরগা হিংচাবশিংনা হরাউনা কাক্কাক্ নোক্থি। মতম্ অদুদা মহাদেব অসি শাউবনা লৈকম্ থঙদদুনা অকিবকংনা ঙংথি ॥১০৩॥ মহারাজ! অদুদগীদি মহাদেবনা লোমদোমক্ত লৈরিবা পুর (নগর) অদুম অদুবু য়েংগদবগী থমক্ থোঙ নাবনা শঙ্গাওগী মশক্

স্বয়ম্ভাস্থিতো রুদ্রো হয়স্থ চ নরোত্তম।। স্তনাংস্তদাপাতয়ত খুরাংশ্চৈব দ্বিধাকরোৎ ॥১০৫॥
ততঃ প্রভৃতি ভদ্রং তে গবাং দ্বৈধীকৃতাঃ খুরাঃ। হয়ানাঞ্চ স্তনা রাজংস্তদা প্রভৃতি নাভবন্।
পীড়িতানাং বলবতা রুদ্রেণাদ্ভুতকর্ম্মণা ॥১০৬॥
তথাধিজ্যঃ ধনুঃ কৃত্বা শর্বঃ সন্ধায় তং শরম্। যুক্ত্বা পাশুপতাস্ত্রেণ ত্রিপুরং সমচিন্তয়ৎ ॥১০৭॥
তস্মিন্ স্থিতে মহারাজ! রুদ্রে বিধৃতকার্ম্মুকে। পুরাণি তেন কালেন জগ্মুরেকৈকতদা ॥১০৮॥
একীভাবং গতে চৈব ত্রিপুরত্বমুপাগতে। বভূব তুমুলো হর্ষো দেবতানাং মহাত্মনাম্ ॥১০৯॥
ততো দেবগণাঃ সর্ব্বে সিদ্ধাশ্চ পরমর্ষয়ঃ। জয়েতি বাচো মুমুচুঃ সংস্তবন্তো মহেশ্বরম্ ॥১১০॥
ততোঽগ্রতঃ প্রাদুরভূত্ত্রিপুরং নিঘ্নতোঽসুরান্। অনির্দ্দেশ্যোগ্রবপু র্যা দেবস্যাসহ্যতেজসঃ ॥১১১॥
স তদ্বিকৃষ্য ভগবান্ দিব্যং লোকেশ্বর ধনুঃ। ত্রৈলোক্যসারং তমিষুং মুমোচ ত্রিপুরং প্রতি ॥১১২॥
উৎসৃষ্টে বৈ মহাভাগ! তস্মিন্নিষুবরে তদা। মহানার্ত্তস্বরো হ্যাসীৎ পুরাণাং পততাং ভুবি।
তৎ সাসুরগণং দগ্ধ্বা প্রাক্ষিপৎ পশ্চিমার্ণবে ॥১১৩॥

লৌরবা বিষ্ণুগী কোক্ত অতোয়া খোঙ নামনা শগোলগী মাংলেন্দা থম্লুনা তেঙ্গা থোংগদবগী দানবশিংগী ০ংর বিমান অদু হেংগ হৌরকই ॥১০৪॥ মহারাজ! অদুদগীদ, মহাদেবনা খোঙ-নামনা শক্লাওতুগী মকোক্তা থম্লুনা নামনা শগোলগী মংঅন্দ থম্বদুগী ভারনা শগোলগী মখোম্ ককাখ—তৎলুনা তাখি শল্লাবদুগী খুজিন্না মপুম্ ওইনা লৈরবদগী অনীথোক্লা মথায়দা কায়খি ॥১০৫॥ মহারাজ! মঙ্গল ওইনসু। বল্লব মহাদেবনা অসুরা বম্না থোক্তখিবা মুংনৎ অদুদগী ডাস কাওবা শগগী খুজিন্ খায়দোকলা, শগোলগী মখোম্ পান্দ্রি ॥১০৬॥ (অদুগী তুংদা মহাদেবনা লীক অদুদা তেঙ্গ থোংলুনা পাশুপত কৌবা খুৎলায পাংথলুনা সন্ধান তৌলুনা পুর (নগর) অহুম অদুন অমত ওইনা পুনশিন্নগদবড ডাইলুনা লৈখি ॥১০৭॥ মহারাজ! মহাদেবনা লীকং অদু চীংলুনা অসুরা লৈরক্লবা মতমগুমক্তদা নগর-অপাইবী অহুম্ অদু মথং মথং থক্ খা নাইনা শম্জিন্নখলুনা অমত ওইখি ॥১০৮॥ পুর (কেংলুং) অহুম্ অদুনা অমত ওইখিবদু উবদা লাইয়াম্না থোইদোক্লা হরাউখি ॥১০৯॥ মরম্ অদুনা দেবতা, মহর্ষি, ব্রহ্মর্ষি, গন্ধর্বশিংনা মহাদেবগী স্তুতিগান তৌন তৌনা হম্ন হম্না জয়ধ্বনি—তৌরকই ॥১১০॥

মতম্ অদুদা মহাদেবগী হকচাং অদু করি মাল্লি হায়বদু হায়কম্ লৈখিদে। য়েংবদা অকিবগী মশক্লি। কুইনা য়েংলুনা খাঙলুনা লৈব ঙম্বা তেজ নত্তে। হিংচাবপুম্বদু তুম্ন হাংলগে হায়না থনখ্রে। অসুরা লৈরিবৈ মতমদা পুর (কোংলুং)-অপাইবী অহুম অদু মহাদেবগী মাঙমক্তদা মশক্ উরে ॥১১১॥ মতম অদুদা মহাদেবনা অঙকপগী মশক্ ওইরবা লীকং পায়থলুনা লীরী কন্ন চিংনা পুর অহুম্ অদু তম্ন মপা চুম্না মমোল অহুমগী মচি ওইবা-শক্তি পুম্বা তেল অদু কাপ্‌শিল্লকই ॥১১২॥ মহারাজ! মঙ্গনিংথৌ! অদুঙম্বা তেল্ অদু মহাদেবনা কাপথোক্লবদা

এবং তস্ত্রিপুরং দগ্ধং দানবাশ্চাপ্যশেষিতাঃ । মহেশ্বরেণ ক্রুদ্ধেন ত্রৈলোক্যস্য হিতৈষিণা ॥১১৩॥

স চাত্মক্রোধজো বহ্নির্হাহেত্যুক্ত্বা নিবারিতঃ । মা কার্ষীর্ভস্মসাল্লোকানিতি ত্র্যম্বকোঽব্রবীচ্চ তম্ ॥১১৪॥

ততঃ প্রকৃতিমাপন্না দেবা লোকাস্তথর্ষয়ঃ । তুষ্টুবুর্বাগ্ভিরগ্র্যাভিঃ স্থাণুমপ্রতিমৌজসম্ ॥১১৬॥

তেঽনুজ্ঞাতা ভগবতা জগ্মুঃ সর্বে যথাগতম্ । কৃতকামাঃ প্রযত্নেন প্রজাপতিমুখাঃ সুরাঃ ॥১১৭॥

এবং স ভগবান্ দেবো লোকস্রষ্টা মহেশ্বরঃ দেবাসুরগণাধ্যক্ষো লোকানাং বিদধে শিবম্ ॥১১৮॥

যথৈব ভগবান্ ব্রহ্মা লোকধাতা পিতামহঃ । সারথ্যমকরোত্তত্র রুদ্রস্য পরমোঽব্যয়ঃ ॥১১৯॥

তথা ভবানপি ক্ষিপ্রং রুদ্রস্যেব পিতামহঃ । সংযচ্ছতু হয়ানস্য রাধেয়স্য মহাত্মনঃ ॥১২০॥

(যুগ্মকম্)

ত্বং হি কৃষ্ণাচ্চ কর্ণাচ্চ ফল্গুনাচ্চ বিশেষতঃ । বিশিষ্টো রাজশার্দ্দূল ! নাস্তি তত্র বিচারণা ॥১২১॥

যুদ্ধে হ্যয়ং রুদ্রকল্পস্ত্বঞ্চ ব্রহ্মসমো নয়ে । তস্মাচ্ছক্তৌ যুবাং জেতুং মচ্ছত্রূংস্তানিবাসুরান্ ॥১২২॥

ভমখিরবা অকিবগী মশক্ কংলবা খোল্লাউ অমা থোক্খি । পুর অহুম্ অদু অমুম্মুম্ লৈমায়থক্ত তাব হৌরক্ই । অদুগা মহাদেবনা কাপ্থোক্খিবা তেল্ অদুদি পুর অহুম অদুবু চাক্থেক্লগা নোংচুপ সমুদ্র ঈথায়দা তাখি ॥১১৩॥ মরোল্ অহুম্গী কারণত্ত তৌরবা মহাদেবনা থোইনা শাউখিদুনা মতৌ অশুম্না হিংচাবশিংগী পুর অহুম্ অদু উং ওইহনখি । দানবশিংগী মকো মনাও অমত্ত কাওবা লেম্হনখিদে ॥১১৪॥ মতম অদুদা, মহাদেবনা মশামথন্তদগী পোক্খিবা অশাউবগী মৈ অদু মুৎখিনবা হায়দুনা "হা-হা" লাউনা কাম্থি । "মরোল অহুম্দি তুম চাক্থেক্নু ।" হায়না মহাদেবনা মৈদুদা হন হন লাউরকই ॥১১৫॥ মতম্ অদুদা লাইরাম্না ব্রহ্মর্ষি গন্ধর্বশিংনা হায়গী শক্কম্দা হল্লিন্দুনা নীঙাথবা অথোৎপা রাহৈনা মহাদেবগী স্তুতি তৌখি ॥১১৬॥ ভগবান্ মহাদেবনা পেন্খিরবদা, লাইরামখিখিবকুদু মানা মানা নীঙবা থুংলদুনা মাগী মাগী লোকত্ত হল্লখি ॥১১৭॥ লোক্পুম্বু ঙাক্পিবা, মহেশ্বর ওইরবা দেবতাশিংগী অমদি অসুরশিংগীসু নিয়ম তৌবিরিবা মহাদেবনা মতৌ অসুম্না জগৎকী মঙ্গল্ ওইনবা থবক্তাক্ত তৌবিখি ॥১১৮॥ মরম অদুনা লোক্ পুম্নমক্পু শেম্বিবা, পিতামহ ওইরবা, দেবতা পুম্নমক্কী অথোইবা, অমাঙঅতা লৈত্রবা ভগবান ব্রহ্মানমক্তু দেশকালগী মতুংইন্না মহাদেবগী সারথি ওইখিবদুগুম্না মদ্ররাজ ! শল্য ! মহাকপু কর্ণগী শগোল অসি থৌখিবু ॥১১৯-১২০॥ নঙমদি নিংথৌ । নহাক্ অসে, হৌরক্ পুম্নমক্না কৃষ্ণ-কর্ণ-অর্জ্জুন অহুমসিদগীসু হেন্দোক্লনা লৈবিরবনি । মাসিদা চিংননীঙাই, বিচার অত্তে অমা তৌননীঙাই লৈত্রবনি ॥১২১॥ কর্ণনা লান্না মহাদেবগা অমানি, যুদ্ধনীতিদা নাপগী নিয়ম ত্তাকপিবদা নিংথৌ নহাক্না ব্রহ্মামক্তদগীসু হেন্নপ, তৌনা লৈবিরবনি । অদুনা মহাদেবগা ব্রহ্মাগা অমা অমা তোংখিদুনা দৈত্যদানব অসুর মখাক্ জয় তৌবিখিরকুম্না নিংথৌ অকন্বা

যথা শল্যাত্র কর্ণেহিরং শ্বেতাশ্বং কৃষ্ণসারথিম্। প্রমথ্য হন্যাৎ কৌন্তেয়ং তথা শীঘ্রং বিধীয়তাম্ ॥১২৩॥
ত্বয়ি কর্ণশ্চ রাজ্যঞ্চ বয়ঞ্চৈব প্রতিষ্ঠিতাঃ। বিজয়শ্চৈব সংগ্রামে সংযচ্ছাশ্বান্ হয়োত্তমান্ ॥১২৪॥
ইমঞ্চাপ্যপরং ভূয় ইতিহাসং নিবোধ মে। পিতুর্মম সকাশে যং ব্রাহ্মণঃ প্রাহ ধর্মবিৎ ॥১২৫॥
শ্রুত্বা বৈ তচ্চিত্রং হেতুকার্য্যার্থসংহিতম্। কুরু শল্য! বিনিশ্চিন্ত্য মা ভূদত্র বিচারণা ॥১২৬॥
ভার্গবাণাং কুলে জাতো জমদগ্নির্মহাতপাঃ। তস্য রামেতি বিখ্যাতঃ পুত্রস্তেজোগুণান্বিতঃ ॥১২৭॥
স তীব্রং তপ আস্থায় প্রসাদয়িতবান্ ভবম্। অস্ত্রহেতোঃ প্রসন্নাত্মা নিয়তঃ সংযতেন্দ্রিয়ঃ ॥১২৮॥
তস্য তুষ্টো মহাদেবো ভক্ত্যা চ প্রশমেন চ। হৃদ্গতঞ্চাস্য বিজ্ঞায় দর্শয়ামাস শঙ্করঃ ॥১২৯॥

শ্রীশঙ্কর উবাচ। *

রাম! তুষ্টোঽস্মি ভদ্রং তে বিদিতং মে তবেপ্সিতম্। কুরুষ্ব পূতমাত্মানং সর্বমেতদবাপ্স্যসি ॥১৩০॥
দাস্যামি তে তদাস্ত্রাণি যদা পূতো ভবিষ্যসি। অপাত্রমসমর্থঞ্চ দহন্ত্যস্ত্রাণি ভার্গব ॥১৩১॥
ইত্যুক্তো জামদগ্ন্যস্তু দেবদেবেন শূলিনা। প্রত্যুবাচ মহাত্মানং শিরসাবনতঃ প্রভুম্ ॥১৩২॥

নহাকপু কর্ণগা রথ অমতদা তোংমিন্নহনা অহুগা কর্ণবু লান্দা লম্জিংবিহনা য়েক্লবশিং অসিবু লায়না জয় তৌবিবা ঙমগনি ॥১২২॥ অহনা নিংথৌ! কৃষ্ণনা সারথি ওইরিবা অর্জুন অসিবু কর্ণনা লায়না জয় তৌননবা-হাৎননবসি-অকন্বা নহাক্না রথমথক্ত লমজিংহনা থ্বনা য়াঙনা তৌবিয়ো ॥১২৩॥ ঐনা জয় ওইবা অহুগা ঐগী লৈপাক সিংহাসন লেঙদনা লৈবা—অসি পুম্নমক্ অসিবু কর্ণনা নিংথৌ নংগী নথক্তা আশা পুম্নমক্ থম্হনা তৌবা ঙমগনি খঙ্গ্রিবনি। অহনা কায়দে, কুইথহনা কর্ণগী রথ অসি থৌখিনবা তৌয়ো ॥১২৪॥ নিংথৌ! ইতিহাসগী য়ারী অমগা অমুক্ত তাবিয়ু, মাসি নোংম ধর্ম খঙলবা ব্রাহ্মণ অমনা লাক্ত্না পাবুং মহারাজদা তীখিবনি ॥১২৫॥ মদ্ররাজ! থবক থবকী পাঙথোক্লবা মরমগা তুননা য়াওরবা য়ারী অসি তাবিয়গা থবক্ থুনা পাঙথোক্লবা তৌবিয়ু। মাসি তারবা তুংদা মথা অমযুক্ য়েৎপিরক্লু ॥১২৬॥ ভৃগুবংশদা জগদগ্নি হায়বা মহাতপস্বী অম পোক্খি। মহাকীগী রাম হায়না জগত্ত কাওরবা, গুণ পুম্নমক্না তিল্লবা মচা অমা পোকখি ॥১২৭॥ মহাক্না অমাঙ, অতা লৈত্রবা খুংলায় কংগে হায়বগীদমক্ থম্মোয় চেৎনা, ইন্দ্রিয় খুদুমচন্দুনা নিয়ম কায়দনা মতম্ কুইনা তপস্যা তৌহনা মহাদেববু পেলহনখি ॥১২৮॥ মতম খরগী তুংদা মহাকী ভক্তি অমদি অকন্বা তপস্যা অদুদা পেনখিগ্রহনা অদুগা মহাক্না মাগী থম্মোয়দা নীঙ্জরিবা পাম্লিবক্ত খঙবিরহনা মূর্ত্তি মাইনা দর্শন পীবিখি ॥১২৯॥ মহাদেবনা নোকৃমি নোকৃমি তৌহনা হায়রকই:—রাম! মঙ্গল ওইজো, ঐ পেয়ে, নংনা পাম্লীবহুগ্র ঐ খঙলে। করে নং হায়া নশাদু শেংদোকউ। পুম্নমক কংগনি ॥১৩০॥

ভৃগুনন্দন! রাম! থম্মোয় হকচাং অনীমক পবিত্র ওইরবা তুংদা ঐনা নঙোন্দা খুংলায় অহু পীগনি। মরমদি ঐনা পীগদৌরিবা খুংলায়শে থম্মোয় হকচাং অনীমক শেংবা শীগা

যথা জানাতি দেবেশঃ পাত্রং যাবস্ত্রধারণে । তদা ত্বত্তোঽপ্যাপি ভবান্ যে পাতুমর্হতি ॥১৩৩॥

দুর্য্যোধন উবাচ ।

ততঃ স তপসা চৈব দমেন নিয়মেন চ । পূজোপহারবলিভির্হোমমন্ত্রপুরস্কৃতৈঃ ॥১৩৪॥
আরাধয়িত্বাবান্ সর্ব্বং বহূন্ বর্ষগণাংস্তদা । প্রসন্নশ্চ মহাদেবো ভার্গবস্য মহাত্মনঃ ॥১৩৫॥

(যুগ্মকম্)

অব্রবীত্তস্য বহুশো গুণান্ দেব্যাঃ সমীপতঃ । ভক্তিমানেষ সততং ময়ি রামো দৃঢ়ব্রতঃ ॥১৩৬॥
এবং তস্য গুণান্ প্রীতো বহুশোঽকথয়ৎ প্রভুঃ । দেবতানাং পিতৄণাঞ্চ সমক্ষমরিসূদন ! ॥১৩৭॥
এতস্মিন্নেব কালে তু দৈত্যা হ্যাসন্ মহাবলাঃ । তৈস্তদা দর্পমোহান্ধৈরবাধ্যন্ত দিবৌকসঃ ॥১৩৮॥
ততঃ সম্ভূয় বিবুধাস্তান্ হন্তুং কৃতনিশ্চয়াঃ । চক্রুঃ শত্রুবধে যত্নং ন শেকুর্জেতুমেব তান্ ॥১৩৯॥
অভিগম্য ততো দেবা মহেশ্বরমুমাপতিম্ । প্রাসাদয়ংস্তে তদ্ভক্ত্যা জহি শত্রুগণানিতি ॥১৪০॥
প্রতিজ্ঞায় ততো দেবো দেবতানাং রিপুক্ষয়ম্ । রামং ভার্গবমাহুয় সোঽভ্যভাষত শঙ্করঃ ॥১৪১॥

নীজিময়বদি খুৎলায়সিনা মশামকপু চাকথেকই ॥১৩১॥ দেবদেব মহাদেবনা অহুম্না তাকপিরবদা পরশুরামনা মকোক্ নোম্না মখুৎ লোমহুনা মহাদেবদা অহুম্না হায়রকই—॥১৩২॥ দেবদেব ! মহাদেব ! খুৎলায় অহু লোবদা মতীক চারবনি হায়না নমাইবু খনবিরকপহৌদনী ঐনা ঈবুঙো নহাকপু আরাধনা তৌগে। অবস্থাসিমকদা খুৎলায় অসি কংহনবিবা য়াইনা ॥১৩৩॥ অমি হায়রম্মগা পরশুরাম অসি অমুক্ চৎখিহুনা চহী মতম্ কুইনা তপস্যা তৌহুনা, ইন্দ্রিয় খুদেম চম্দুনা, ব্রতনচিংবা কম্না তৌহুনা, পূজাপাঠ যজ্ঞহোমনচিংবা তৌহুনা মতুংদা মহাদেববু মপুং কানা পেনহনখি ॥১৩৪-১৩৫॥ অমুদগী নোংমা পার্ব্বতীগা লোয়ননা মকম অমদা লেপ্লকুনা মহাদেবনা পার্ব্বতীদা মকমদা রামগী তপস্যা শক্তি অমদি মগুণশিং তাহল্লবা মহাদেবনা পার্ব্বতীদা কমি হায়রকপগে হায়বদু ঃ—"রাম হায়নসে মতম্ পুম্বদা ঐবু লুনা কিনা খুংশিনা তৌই ঐঙোন্দা রাম্না ভক্তি লৈ" ॥১৩৬॥ মহারাজ ! এতো অহুম্না মহাদেবনা দেবতাশিং অমুগা পিতৃলোককী জীবশিংদমু পরশুরামগী মতীকমগুণ অহু তাহন্লবি ॥১৩৭॥ চায়বিবা মতম অসি, দৈত্যদানবশিংনা মপাঙ্গল মথৌনাদা রাম্না মথোয় কাখিহুনা লাইশিংবু য়াম্না নৈরকপা ওৎপা হৌরকপা মতমহুবক্রনি ॥১৩৮॥ দেবতাশিংনা দৈত্যদানব মরাবু ওমনবা অমু তৌননবা হায়রহুনা হোৎনরকপশিদা ঈওদ্ অপুবক্রে ॥১৩৯॥ মতুংদা কমি তৌনিংঙাই লৈত্রহুনা লাইরাম্না ভক্তি যু ভগা লোয়ননা মহাদেববু পূজা তৌহুনা পেনহনখি । মরাম্না খুৎলোত্রহুনা লাইরামগী রেজবা দানবশিংবু হাৎশিনু হায়না হায়জখি ॥১৪০॥ অমুগী তুংদা মহাদেবনা লাইরামশিংগী মথোয়গী রেজবা পুম্বা হাৎশিবনি হায়না

রিপূন্ ভার্গব ! দেবানাং জহি সর্বান্ সমাগতান্ । লোকানাং হিতকামার্থং মৎপ্রীত্যর্থং তথৈব চ ।
এবমুক্তঃ প্রত্যুবাচ ত্র্যম্বকং বরদং প্রভুম্ ।১৪২।

রাম উবাচ ।

কা শক্তির্মম দেবেশ ! অকৃতাস্ত্রস্য সংযুগে । নিহন্তুং দানবান্ সর্বান্ কৃতাস্ত্রান্ যুদ্ধদুর্মদান্ ।১৪৩।

মহেশ্বর উবাচ ।

গচ্ছ ত্বং মদনুজ্ঞাতো নিহনিষ্যসি শাত্রবান্ ।
বিজিত্য চ রিপূন্ সর্বান্ গুণান্ প্রাপ্স্যসি পুষ্কলান্ ।১৪৪।

এতচ্ছ্রুত্বা চ বচনং প্রতিগৃহ্য চ সর্বশঃ । রামঃ কৃতস্বস্ত্যয়নঃ প্রযযৌ দানবান্ প্রতি ।১৪৫।
অব্রবীদ্দেবশত্রূংস্তান্ মদদর্পবলান্বিতান্ । মম যুদ্ধং প্রযচ্ছধ্বং দৈত্যা যুদ্ধমদোৎকটাঃ ! ।১৪৬।
প্রেষিতো দেবদেবেন বোঽহং জেতুং মহাসুরাঃ ! । ইত্যুক্তা ভার্গবেণাথ দৈত্যা যোদ্ধুং প্রচক্রমুঃ ।১৪৭।
স তান নিহত্য সমরে দৈত্যান্ ভার্গবনন্দনঃ । বজ্রাশনিসমস্পর্শৈঃ প্রহারৈরেব ভার্গবঃ ।১৪৮।
স দানবৈঃ ক্ষততনুর্জামদগ্ন্যো দ্বিজোত্তমঃ । সংস্পৃষ্টঃ স্থাণুনা সদ্যো নিব্রণঃ সমজায়ত ।১৪৯।

হাশকৃলগা পরশুরামবু কৌরগা অম্বুমা হায়রকই ॥১৪১॥ ভৃগুনন্দন ! র ম ! নং ঐগী অমদি লাইরামগী পেন্নবগীদমক্তা দেবশত্রু দানবশিং অসি হাৎলু। বর পীনহৈরবা মহাদেবগী বা অসি তাবদা পরশুরামনা হায়রকই :—॥১৪২॥ দেবদেব ! মহাদেব ! ঐদি হৌজিক্ কাওবা খুৎলায় করিমত তম্ব্রি হৈত্রি। অদুবু দৈত্যদানবশিং অসিদি লান্দা য়াম্না হৈরবা লাকৃতম্ কাওমুত্রবা মক্তনি। অসিগুম্ব অংস্ত্রা অসিদা ঐনা মখোয়গা থেংনবা শোক্লব ত্মগদবসি কদাইদনো ? ॥১৪৩॥ মহাদেবনা চায় :—রাম ! চৎলু নং, ঐগী য়াথং পুদুনা হৌজিকমক্ চৎখিদুনা লাইবামগী য়েরুবশিংবু হাৎলু। য়েরুব পুম্ববু হাৎলবা তুংদা য়াম্না চাওখৎপা-মিংচৎনচিংবা ফংগনি ॥১৪৪॥ পরশুরামনা মহাদেবগী বাসি তাবদা, মহাদেবগী য়াথং মখোক্ থোংদুনা মঙ্গল-আশীর্বাদ নিদুনা দানবশিংনা লৈরিবা মায়পৈ অদোমদা যাত্রা তৌখি ॥১৪৫॥ পরশুরামনা দানবশিংগী মকমদা চৎখিদুনা মরাম কায়বা মাপল তৌরবা দানবশিংদা "হিংচাবশা ! ঐ নখোয়গা লান্থেংনগে হায়দুনা লাকলিয়নি। ঐহোন্দা লালগী ভিক্ষা হায়, !" অম্বুমা হায়রকই ॥১৪৬॥ অমুকুম্ব করি হায়রকবগে হায়বদা "নখোয়বু হাৎলুচো হায়দুনা মহাদেবনা ঐবু থায়কৃলিবনি।" পরশুরামনা অম্বুমা হায়রক্লবদা দৈত্যদানবশিংগা পরশুরামগা কয় লান্থেংনবা হৌরকলে ॥১৪৭॥ অদুগী তুংদা ভৃগুবংশগী পরশুরামনা বজ্র অমদি নোংথাংগা মায়নবা খুৎলামক্তনা দৈত্যশিংবু মনম্ মনম্ হাৎপা হৌরকলে ॥১৪৮॥ দানবশিংনস্থ পরশুরামগী মশাস্থ ঙীহংনাইহং শাহৃনখে। অদুবু মহাদেবনা পরশুরামগী মশাদা

প্রীতশ্চ ভগবান্ দেবঃ কর্ম্মণা তেন তস্য বৈ। বরান্ প্রাদাদ্বহুবিধান্ ভার্গবায় মহাত্মনে ॥১৫০॥
উক্তশ্চ দেবদেবেন প্রীতিযুক্তেন শূলিনা। নিপাতাত্তব শস্ত্রাণাং শরীরে যাভবদ্রুজা ॥১৫১॥
তয়া তে মানুষং কর্ম্ম ব্যপোঢ়ং ভৃগুনন্দন!। গৃহাণাস্ত্রাণি দিব্যানি মৎসকাশাদ্যথেপ্সিতম্ ॥১৫২॥
(যুগ্মকম্)

দুর্য্যোধন উবাচ।

ততোঽস্ত্রাণি সমস্তানি বরাংশ্চ মনসেপ্সিতান্। লব্ধ্বা বহুবিধান্ রামঃ প্রণম্য শিরসা শিবম্ ॥১৫৩॥
অনুজ্ঞাং প্রাপ্য দেবেশাজ্জগাম স মহাতপাঃ। এবমেতৎ পুরাবৃত্তং পুরা কথিতবানৃষিঃ ॥১৫৪॥
(যুগ্মকম্)

ভার্গবোঽপ্যদদৎ সর্ব্বং ধনুর্ব্বেদং মহাত্মনে। কর্ণায় পুরুষব্যাঘ্র! সুপ্রীতেনান্তরাত্মনা ॥১৫৫॥
বৃজিনং হি ভবেৎ কিঞ্চিদ্যদি কর্ণস্য পার্থিব!। নাস্মৈ হ্যস্ত্রাণি দিব্যানি প্রাদাস্যদ্ভৃগুনন্দনঃ ॥১৫৬॥
নাপি সূতকুলে জাতং কর্ণং মন্যে কথঞ্চন। দেবপুত্ত্রমহং মন্যে ক্ষত্ত্রিয়াণাং কুলোদ্ভবম্ ॥১৫৭॥
বিসৃষ্টমববোধার্থং কুলস্যেতি মতির্মম। সর্ব্বথা নহ্যয়ং শল্য! কর্ণঃ সূতকুলোদ্ভবঃ ॥১৫৮॥
(যুগ্মকম্)

হেক্ নানবিবদা খুৎলায়গী মকম্ অদু ইককখ্রে ॥১৪৯॥ পরশুরামনা তৌখ্রিব থবক্‌শিং অসিদা পেনখ্রহনা মহাদেবনা খুৎলায় ময়াম্ পুখোক্ত,না পীবিখি ॥১৫০॥ থোইদোক্না পেনখিখ্রবা মহাদেবনা অদুম্বা অমুক্ হায়রকই :— রাম! দৈত্যদানবনচিংবা হিংচাবশিংগী খুৎলায়না পানবদা নংগী নশাদা কংখ্রিবা চৈনাখোল অদুমক্না নহাক্কী ভাইবং মী ওইনা তৌখিবা কর্ম্মগী পাপ-দোষপুম্ব কোক্‌খ্রে। অদুনা, ভৃগুনন্দন! হৌজিক্তি পাপ পুম্ব কোক্ত,না পবিত্র ওইরবনিনা লাইগী খুৎলায়শিং অসে নহাক্ পৌরো-য়াম্বে ॥১৫১-১৫২॥ দুর্য্যোধননা হায় :— মদ্ররাজ! অদুগী তুংদা তপস্যা কল্লবা পরশুরামনা মহাদেবগী মকদগী বরগা লোয়ননা লাইগী খুৎলায়শিং অচ কংলহনা মহাদেবদা চরণ শেক্ত খুকখ্রমলগা চৎখি। অস্তুম্বা মদ্ররাজ! ব্রাহ্মণ অদুনা ঐগী ইপাদা য়ারী অসি কীখি ॥১৫৩-১৫৪॥ নিপা অখোইবা মদ্ররাজ! মতম থরগী তুংদা মহাত্মা ওইরবা পরশুরামনা ধনুর্ব্বেদগী জ্ঞানপীবগা লোয়ন লোয়ননা খুৎলায়শিং অদু কর্ণদা লোইনা অমুক পীখ্রবনি ॥১৫৫॥ অদুনা মহারাজ! মদ্রেশ্বর! কর্ণগী মপাদা করিগুম্বা পাপ অম লৈরম্ববদি পরশুরামনা কর্ণদা খুৎলায়শিং অদো পীরম্লরোইদোবনি ॥১৫৬॥ অসিগী মথক্ত ঐনা কর্ণসি সূতগী বংশদা পোকপনি হায়বগিগুদি মরাম্দোর্দে থাজদে। মাসে দেবতা অমনা মর্ত্ত্যলোকক্কী ক্ষত্রিয় মীতোল অমগী গর্ভদগী পোক্‌হনখিম্বরে হায়না খল্লি। মাহু পোকপা মমা কনাগুম্বী অমনা লোকক্কী সমাজগী নিন্দাগুম্ব অম কংগদোবা অম ইবদগী সূতবংশদা পীখোকখিবগুম্ব অমম্তু মাল্লি। অদুনা মদ্ররাজ! কর্ণ হায়বদে সূতবংশদা পোকখিব নত্তে হায়বসি ঐ থাজৈপেংনা হায়বা তশি ॥১৫৭-১৫৮॥

সকুণ্ডলং সকবচং দীর্ঘবাহুং মহারথম্। কথমাদিত্যসদৃশং মৃগী ব্যাঘ্রং জনিষ্যতি ॥১৫৪॥
যথা হ্যস্য ভুজৌ পীনৌ নাগরাজকরোপমৌ। বক্ষঃ পশ্য বিশালঞ্চ সর্বশত্রুনিবর্হণম্ ॥১৫৫॥
ন ত্বেষ প্রাকৃতঃ কশ্চিৎ কর্ণো বৈকর্ত্তনো নৃপ। মহাত্মা হ্যেষ রাজেন্দ্র! রামশিষ্যঃ প্রতাপবান্ ॥১৫৬॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
ত্রিপুরবধোপাখ্যানে অষ্টাবিংশোঽধ্যায়ঃ ॥০॥

—:-০-:—

সূতবংশগী নিঙ্ঙোলগী মশক ওইরবী শক্তী অযোম অমনা, পোকপদগী কুণ্ডলনাইনগা লোইনরবা কবচগা লোয়ননবা মপাম্বোম চাউরচোন্নবা, মহারথী ওইরবা, সুমিৎকী মতৌগুম্ তেঙ্ক লৈরবা কর্ণ কৌবা কৈজাওঅমবু করম্না পোকদোক্নিবনো? ॥১৫৯॥ মদ্ররাজ! য়েংবিয়ু অমুক্তা। কর্ণ হায়বা অসিগী মপাম্বোম অনীসে ঐরাবতশাগুগী নাতোল অনীগুম্বি, মথবাক্ অসে য়েক্নবপুম্বা থক্তো কয়না ওয়নবগুম্ পাবচাউই়বনি ॥১৬০॥ অহুনা মঞ্জনিংথৌ! কর্ণ হায়বসে, চুরুগী মীচম্ অমনত্তে, মহাত্মা পরশুরামগী মতীক মগুণ চাউরবা শিষ্য অমনি ॥১৬১॥

মসম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা ত্রিপুরাবধপাখ্যানগী কুন্নিপালগুবা অধ্যায় লোইরে ॥০॥

শ্রীমহাভারতম্

ঊনত্রিংশোঽধ্যায়ঃ

কুনমাপাল গুবা অধ্যায়

(শল্যগা কর্ণগা ওাগনবা মতাং)

দুর্য্যোধন উবাচ।

এবং স ভগবান্ দেবঃ সর্বলোকপিতামহঃ। সারথ্যমকরোত্তত্র যত্র রুদ্রোঽভবদ্রথী ॥১॥
রথিনোঽভ্যধিকো বীর! কর্ত্তব্যো রথসারথিঃ। তস্মাত্ত্বং পুরুষব্যাঘ্র! নিযচ্ছ তুরগান্ যুধি ॥২॥

দুর্য্যোধননা হায়ঃ—মদ্ররাজ! লোক পুম্বকী পিতামহ ব্রহ্মানা ত্রিপুরাসুর হাংকৈদা সারথিগী থবক্ তৌখি। মতম অদুদা রুদ্র মপাম্বা রথী ওইখি ॥১॥ অহনবা! সারথি অদু হায় হায়বসে রথী ওইবদোংদগী হেন্না মীৎক্ অমসু হেক হেক্ হায়রিবনি। অদুনা

যথা দেবৈঃ কেবলৈর্বৃতো যস্মাৎ পিতামহঃ । তথাশ্বাভিজ্ঞবান্ যস্মাৎ কর্ণাদভ্যধিকো বৃতঃ ।৩।
যথা দেবৈর্মহারাজ । ঈশ্বরাদধিকো বৃতঃ । তথা ভবানপি ক্ষিপ্রং রুদ্রস্যেব পিতামহঃ ।
নিয়চ্ছ তুরগান্ যুদ্ধে রাধেয়স্য মহাদ্যুতে । ।৪।

শল্য উবাচ ।

ময়াপ্যেতন্নরশ্রেষ্ঠ । বহুশোঽনরসিংহয়োঃ । কথ্যমানং শ্রুতং দিব্যমাখ্যানমতিমানুষম্ ।৫।
যথা চ চক্রে সারথ্যং ভবস্য প্রপিতামহঃ । যথাসুরাশ্চ নিহতা ইষুণৈকেন ভারত । ।৬।
কৃষ্ণস্য চাপি বিদিতং সর্বমেতৎ পুরা হ্যভূৎ । যথা পিতামহো যজ্ঞে ভগবান্ সারথিস্তদা ।৭।
অনাগতমতিক্রান্তং বেদ কৃষ্ণোঽপি তত্ত্বতঃ । এতদর্থং বিদিত্বাপি সারথ্যমুপজগ্মিবান্ ।৮।
স্বয়ম্ভূরিব রুদ্রস্য কৃষ্ণঃ পার্থস্য ভারত । । যদি হন্যাচ্চ কৌন্তেয়ং সূতপুত্রঃ কথঞ্চন ।৯।
দৃষ্ট্বা বিনিহতং পার্থং স্বয়ং যোৎস্যতি কেশবঃ । শঙ্খচক্রগদাপাণির্ধক্ষ্যতে তব বাহিনীম্ ।১০।
(বিশেষকম্)

ন চাপি তস্য ক্রুদ্ধস্য বার্ষ্ণেয়স্য মহাত্মনঃ । স্থাস্যন্তে প্রত্যনীকেষু কশ্চিদত্র নৃপস্তব ।১১।

নিপা অথোইবা । জাল অসিদা কর্ণনা রথী ওইরগা মাগী শগোল অসিতদি থৌবিয়ু ॥২॥ দেবতা-শিংনা ব্রহ্মাদা সারথি ওইবিয়ু হায়জখিবগুম্না কৌরবলাগী ঐখোয়না অকন্‌বা নঙোন্দগী সারথি ওইবিয়ু হায়জরি । মরমাদ অকন্‌বা নহাক্তি কর্ণদগীসু হেন্না কন্‌বনি ॥৩॥ মহারাজ ! মন্ত্রনিংথৌ ! মহাদেবদগীসু ব্রহ্মানা কনবা হেল্লি চায়রনা লাইরায়া ব্রহ্মাবু সারথি হাপ্‌খি— । অদুগুম্না ঐখোয়গী অকন্‌বা নহাকপু সারথি ওইবিয়ু হায়না হায়জরি । অদুনা তেজ কল্লবা ! ব্রহ্মানা মহাদেবগী শগোল থৌখিবদুগুম্না অকন্‌বা নহাক্না কর্ণগী সারথি ওইদুনা শগোল থৌবিয়ু ॥৪॥ শল্যনা হায়ঃ—নিংথৌ । অহৈ অশিং কয়া অর্নী কয়া কয়ানা ব্রহ্মা অমদি মহাদেবগী মরম্ ওহোক ওহোকপা রারী কয়া কয়া লীথে ; ঐনাসু মাদু কয়ারক্ চন্না তাজখে ॥৫॥ ভরতনন্দন ! তুম্মি, ব্রহ্মানা মহাদেবগী সারথি ওইখি ; অদুগা মহাদেবনসু ঈহান হান্‌বমক্তদা তেল্ অমতনা অসুর মরাম্বু অয়ুক্তদা হাৎখিদে ॥৬॥ ত্রিপুরাসুর হাৎলৈদা ভগবান ব্রহ্মানা মহাদেবগী সারথি ওইখি । রারীশিংসে অর্জুনগী সারথি কৃষ্ণনসু হায় লোইনা তাদুনা খঙদুনা লৈরবনি ॥৭॥ মরম অদুনা ভরতনন্দন দুর্যোধন ! কৃষ্ণ হায়বসে ভূত ভবিষৎ বর্তমান অহুমক খঙবনি । অদুনা ব্রহ্মানা মহাদেবগী সারথি ওইখি হায়বসি খঙদুনা মহাত্মা অর্জুনগী সারথি ওইরিবনি । অদুগা নিংথৌ ! কা অম লৈরি ; কর্ণনা করিগুম্না মতাচাকবগী অর্জুনবু হাৎলবসু অর্জুননা শিখিবদু উবদা শঙ্খচক্রগদা পায়বা কৃষ্ণনা সারথি ওইবকা তোক্‌খোক্‌না মপামদা মহারথী অম ওইখিদুনা কৌরবলাগী মইপে অমে শ্রীকৃষ্ণ জাগদা উং ওইরন্‌শিনদে তিরবনি ॥৮-১০॥ নিংথৌ,

সঞ্জয় উবাচ

তং তথা ভাষমাণন্তু মদ্ররাজমরিন্দমঃ । প্রত্যুবাচ মহাবাহুর্দীনাত্মা সূতজস্তদা ॥১২॥
মারবংস্থা মহাবাহো । কর্ণং বৈকর্ত্তনং রণে । সর্বশস্ত্রভৃতাং শ্রেষ্ঠঃ সর্বশাস্ত্রার্থপারগম্ ॥১৩॥
যস্য জ্যাতলনির্ঘোষং শ্রুত্বা ভয়করং মহৎ । পাণ্ডবেয়ানি সৈন্যানি বিদ্রবন্তি দিশো দশ ॥১৪॥
প্রত্যক্ষং তে মহারাজ । যথা রাত্রৌ ঘটোৎকচঃ । মায়াশতানি কুর্বাণো হতো মায়াপুরস্কৃতঃ ॥১৫॥
ন চাতিষ্ঠত বীভৎসুঃ প্রত্যনীকে কথঞ্চন । এতাংশ্চ দিবসান্ সর্ব্বান্ ভয়েন মহতা বৃতঃ ॥১৬॥
ভীমসেনশ্চ বলবান্ ধনুষ্কোট্যাভিচোদিতঃ । উক্তশ্চাসংজ্ঞয়া রাজন্ ! মূঢ় ঔদরিকেতি চ ॥১৭॥
মাদ্রীপুত্রৌ তথা শূরৌ যেন জিত্বা মহারণে । কমপ্যর্থং পুরস্কৃত্য ন হতৌ যুধি মারিষ ! ॥১৮॥
যেন বৃষ্ণিপ্রবীরস্তু সাত্যকিঃ সাত্বতাং বরঃ । বিজিত্য সমরে বীরো বিরথশ্চ বলাৎ কৃতঃ ॥১৯॥
সৃঞ্জয়াশ্চেতরে সর্বে ধৃষ্টদ্যুম্নপুরোগমাঃ । অসকৃন্নির্জিতাঃ সংখ্যে স্ময়মানেন সংযুগে ॥২০॥

কৃষ্ণ হায়বসে, মহাক্না শাউগ্রবদি কৌরবশক্ষ থরসিগী অকন্বশিং আসদি লায়রদনা পৃথিবীগী কনাগুম্বা অকন্বা অমতনা কৃষ্ণগী মাওদা লেপ্না ওম্মোইদৌবনি ॥১১॥ সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ ! মদ্ররাজ শল্যনা অসুম্না হায়রক্লবদা নীঙথায়দনা করিমত নাচুংবিদনা নচাঈবুত্তো দুর্য্যোধননা অসুম্না শল্যদা হায়রকই:— ॥১২॥ অকন্বা মহ্রনিংথৌ ! কর্ণবু তরাই তরাইনদি থক্ থন্বিগনু মহাক্ অসে হৌজিকী যুগ অসিদা জগৎ অসিদা খুৎলায়পায়বশিংগী মনুংদা থ্বাইদগী হেন্না লৈরবা মীশক্ অমনি । থ্বাইদগী হেন্না শাস্ত্রগী জ্ঞান লৈরবনি ॥১৩॥ মহাক্কী লীমী খীংবগী মথোল তাবতদা পাণ্ডবশিং অমদি পাণ্ডবকী লাম্মী পুম্নমক কায়দুনা চেন্নরিবনি ॥১৪॥ নিংথৌ ! থোকখিবা থৌদোক অদো মীৎমক্না উবিগ্রবন্নুমতায়ঃ—অহিং অদুদা ঘটোৎকচ হায়বদুনা তৌখিবা মায়া অদু কয়াদা ওকপ্রবনো ! অদুবু কর্ণদা মাগী মায়াককাদু চঙ্বা য়াবা নত্তে । খুদক্ত মাগী মথ্ৱাই লৌখিবদুনি ॥১৫॥ কর্ণতবু কিবদগী অর্জ্জুননা হৌজিক কাওবা কর্ণগী মমাঙদা লেপত্তুনা মায়োক য়ায়ত্রিশসিনি ॥১৬॥ নিংথৌ ! কর্ণনা কল্লে হায়রিবা ভীমবু লীকং থোংজীনা কোৎলগা চিংখিবদে', অদুগা চুমগী প্রমাণ পাইদ্রনা হায়বত নত্তনা ভীমদা "হৈঃ ! পুকচাউবা ! অপঙ !" হায়না হন হন চৈখিখদো । মাগিদা হেক্তপণ্ডবিরো কর্ণ হায়বগি কয়াদা মরিলমথৌনা লৈবা নিপানো হায়বদু ॥১৭॥ ঈকায়খুম্নবগী মশক্ ওইরবা নিংথৌ ! অকন্বা কর্ণনা নকুল সহদেববু কয়ারক্ জয় তৌদুনা থুদুন্ চন্নুবানি । অদুবু মহাক্না ওইরবা কর্ণনা খুংশিদুনা থথোয় অমীদু কল্খিখি ॥১৮॥ মহাক্না বৃষ্ণিবংশগী অথোইবা সাত্তবংশগী অহেন্বা সাত্যকিমক্পুত্ত কয়ারক্ মথ য়াঙ্হনদুনা লালকমল থোক্তবী ওইহনখিবনি ॥১৯॥ অকন্বা কর্ণনা করিমত্তা খরিদানা থোরেবোম থোবেরম্ লোক্না সৃঞ্জয়লায়শিংগী অথোই অথোইবা মুতিরবা কনা কয়াবু অদুনা

[illegible] শাৰ্ঙ্গী যুদ্ধে বিদেহৌঘি [illegible] । যো ব্ৰজ্যাং গদিনে [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] । সর্ববিদ্যাসু পারগঃ । বাহবীর্য্যেণ যে শূরাঃ পৃথিব্যাং [illegible] [illegible] ॥১৭॥
বং শল্যভূতঃ শত্রূণামবিষহ্যঃ পরাক্রমে । [illegible] রাজন্ । শল্য ইত্যভিধীয়সে ॥১৮॥
তব বাহুবলং প্রাপ্য ন শেকুঃ সর্ব্বসাত্বতাঃ । তব বাহুবলাদ্রাজন্ । কিন্নু কৃষ্ণো বলাধিকঃ ॥১৯॥
যথা হি কৃষ্ণেন বলং ধাৰ্য্যং বৈ ফাল্গুনে হতে । তথা কর্ণাত্যয়ীভাবে ত্বয়া ধাৰ্য্যং মহদ্বলম্ ॥২০॥
কিমৰ্থং সমরে সৈন্যং বাসুদেবো ন্যবারয়ৎ । কিমর্থঞ্চ ভবান্ সৈন্যং ন হনিষ্যতি মারিষ । ॥২১॥
ত্বৎকৃতে পদবীং গন্তুমিচ্ছেয়ং যুধি মারিষ ॥ সোদর্য্যাণাঞ্চ বীরাণাং সর্ব্বেষাঞ্চ মহীক্ষিতাম্ ॥২২॥

শল্য উবাচ ।

যন্মাং ব্রবীষি গান্ধারে । কুলে সৈন্যস্য মানদ ॥ বিশিষ্টং দেবকীপুত্রাৎ প্রীতিমানস্ম্যহং ত্বয়ি ॥২৩॥

যুদ্ধক্ষেত্ৰনচিংবা অকনবা মহাপ্রজী কৃপাকৃপাসু মারুবিবা পীজ্ববনি ॥২০॥ কর্ণনসু শাস্তিবদি বজ্রধারী ইন্দ্রকাণ্ডবসু জয় তৌব ওমগদৌরিবনি । পাণ্ডবশিংনা মতৌ করয়া কর্ণবু জয় তৌথিগদৌরিবনো ? ॥২১॥ অক্রমণ্ডায়, অকন্‌বা ! মহাকন্ন, শস্ত্র-শাস্ত্র পৃয়মক্কা থোইনা চহথোক্সবা মীশক অম ওইহনা লৈখিরবনি । গান্ধারকো, পাম্বোম্‌গী লাম্মা শল্য নিংথৌওবা অমতা পৃথিবীদা লৈতবনি ॥২২॥ য়েক্ববা হবা নিংথৌ । মহাক্ অসে মপাম্বোংগী মিংতদা শল্য কৌবা মতে । য়েক্সবগী মকবদম শল্য (ভাপোজ) ওইচনা লৈখিরিবনি । মপাকল মথোমাদা মহাক্‌মা অম লৈব্রবনি, মমাঙ্‌দা মুইনা লেপকদবা মীশক অমতা কৌজিন্ লৈতে । অক্রমকনা অগথনা মহাকপু শল্য হায়না অহন্ থক্কপ্রবনি ॥২৩॥ * মহারাজ ! সাত্বতবংশগী লাপ্নীশিংনা হৌজিক কাওবা পুজপ্ হৌরক্‌না অকমথা মহাকী মাহুদা ভুংথনা চংপ ঙম্মি । অদুনা সারথি মথেল চোংথোক্ববহু পাম্বোম্‌গী পাজকা কৃষ্ণা অকনবা নতোলগী হেনথিগদৌরিবলি কৈদনো ? ॥২৪॥ অৰ্জ্জুননা শিপ্রবহু য়ুকনা পাণ্ডব তেলোলবু ভাকহৌথিগনি হায়না ভাকলিপ্পি ; ঐথোক্লগী কর্ণনা কন্থিওবা লৈথিক্সবহু অকন্‌বা মহাক্কা কৃষ্ণা লাবা ওইহনা ঐগী কৌরব তেলোলবু ভাকপিহোগদৌরিলি মতায় ॥২৫॥ মৈকায় যুদ্ধবগী মপক ওইরবা নিংথৌ ! হায়বিদু ; কদ্দা কৃষ্ণা কৌরবলাস্নীশিংবু থিংগদৌরিবনো ? অদুগা অদুক্ করয়া অকন্‌বা মহাক্কা পাণ্ডবলাম্নীশিংবু ভুম্না হাৎপিগোইদৌরিবনো ? [illegible] মাননীয় মহারাজ ! অকন্‌বা মহাকী মংতংগী লাম্মা হাৎখ্রব মীনাওশিংগী মমদি ঐগী [illegible] মথ্‌হি থাজিনা অকন্‌বনিং থাদুগী লমল্ অনুকম্পি শিংবক্কা তন্না য়েংজগে ॥২৬॥ শল্যনা [illegible]—গান্ধারীনন্দন ! ঐহু থ্বাইগী মাংতু অপিকা কৃষ্ণনীপু হেক্সি হায়বলিদা থগোয় [illegible]

[illegible] [illegible] মপেৰ্গী ঋষি [illegible] [illegible] নিংতি [illegible] থক্কা শীবা মিংলম্না থাইদেলোবা [illegible] ।

এষ সারথ্যমাতিষ্ঠে রাধেয়স্য যশস্বিনঃ । যুধ্যতঃ পাণ্ডবাগ্র্যেণ যথা ত্বং বীর ! মন্যসে ॥২৯॥
সময়শ্চ হি মে বীর ! কশ্চিদ্বৈকর্ত্তনং প্রতি । উৎসৃজেয়ং যথাশ্রদ্ধমহং বাচোঽস্য সন্নিধৌ ॥৩০॥

সঞ্জয় উবাচ ।

তথেতি রাজন্ ! পুত্রস্তে সহ কর্ণেন মারিষ ! । অব্রবীন্মদ্ররাজানং সর্ব্বক্ষত্রস্য সন্নিধৌ ॥৩১॥
সারথ্যস্যাভ্যুপগমাচ্ছল্যেনাশ্বাসিতস্তদা । দুর্য্যোধনস্তদা হৃষ্টঃ কর্ণং সমভিষস্বজে ॥৩২॥
অব্রবীচ্চ পুনঃ কর্ণং স্তূয়মানঃ সুতস্তব । জহি পার্থান্ রণে সর্ব্বান্ মহেন্দ্রো দানবানিব ॥৩৩॥
স শল্যেনাভ্যুপগতে হয়ানাং সংনিয়চ্ছনে । কর্ণো হৃষ্টমনা ভূয়ো দুর্য্যোধনমভাষত ॥৩৪॥
নাতিহৃষ্টমনা হ্যেষ মদ্ররাজোঽভিভাষতে । রাজন্ ! মধুরয়া বাচা পুনরেনং ব্রবীহি বৈ ॥৩৫॥
ততো রাজা মহাপ্রাজ্ঞঃ সর্ব্বাস্ত্রকুশলো বলী । দুর্য্যোধনোঽব্রবীচ্ছল্যং মদ্ররাজং মহীপতিম্ ।
পূরয়ন্নিব ঘোষেণ মেঘগম্ভীরয়া গিরা ॥৩৬॥
শল্য ! কর্ণোঽর্জ্জুনেনাদ্য যোদ্ধব্যমিতি মন্যতে । তস্য ত্বং পুরুষব্যাঘ্র ! নিয়চ্ছ তুরগান্ যুধি ॥৩৭॥

হেক্ত মপেন্‌থে ॥২৮॥ অকন্‌বা ! নহাক্না নীঙবা-পাম্বা মতুংইয়া ঐ সারথি ওইবা য়াবে হায়বা খঙবিয়ে। । মিংচৎ চাউরবা কর্ণনা অর্জ্জুনগা থেংনবা মতমদা ঐ শোয়দনা মাগী সারথি ওইরগে। ॥২৯॥ অদুদা, অকন্‌বা ! বা অম লৈরি । কর্ণগী বিবমদা ঐগী লেঙ্‌ত্রবা রাশক অম লৈথে মাহুদি ঐ কর্ণগী মকমদা অপন্‌বা লৈতনা হায়নীংবা মথৈ হায়বা তাই । ॥৩০॥ সঞ্জয়না হায়:— মহারাজ ! শল্যগী রাশক্‌ য়াবে হায়না দুর্য্যোধননা লাম্বী ময়াম্‌গী মমাঙদা লাউথোকখ্রে ॥৩১॥ শল্যনা সারথি ওইবিয় হায়বসি য়াবমদা নুংঙাইমনখ্রুনা দুর্য্যোধননা হোক্চিন্‌থিহনা কর্ণবা চেৎনা কোম্লুই ॥৩২॥ মতম অদুদা নৈশি নৈথোন্‌ব হৈবশিংনা স্তুতিগান শকলক্‌অবদা দুর্য্যোধননা কর্ণদা অমুক্‌ হায়রকই—কর্ণ ! অকনবা ! হৌজিক্কি সারথি মতীক চাবা লৈরবনিনা ইন্দ্রনা দানবময়াম্বু হাংথিবদুগুম্বা নহাক্না পাণ্ডবশিংবু হাৎননবা তৌয়ো । ॥৩৩॥ শল্যনা শগোল্দ থৌ হায়বা য়াবখ্রদা কর্ণনা য়াম্না নুংঙাইথিম্লুনা দুর্য্যোধনদা হায়খিঃ—॥৩৪॥ নিংথৌ ! মদ্রদেশগী নিংথৌ শল্যনা ঐগী সারথি ওইয় হায়বা য়াথিবসে অদুক য়াম্না হয়াউ হয়াউনা য়ানিংহৌবা তৌবদি ওইরিয়োই । অদুনা, অমুক্তগা নঙোম্বা নীংথিবা অপুম্বা বাটৈনা হায়ক্ংলো ॥৩৫॥ বা পূম্বা খঙলবা শিংলবা দুর্য্যোধননা লাউথোক্কপা খোম্বাংনা মায়কৈ পুম্বা পূমনিব্ নিম, খোং-ডংবগুম হোৌনা পূম্না-লেম্না মদ্ররাজ শল্যদা অমুক্ অদুম্না হায়রকই ॥৩৬॥ মদ্ররাজ ! কর্ণনা ঙসিদি অর্জ্জুনগা থেংনগে হায়না নীংথে । অদুনা মাগী নীংঙ্গিবনি পুংননবা জিপা অথোইবা অকন্‌বা নহাক্না মাগী শগোলবু মতম শম্ভতি লেনবিয়ু ॥৩৭॥ কর্ণনা অদু অকনবা থিবিকপু হাংলবা তুং অসিদা অর্জ্জুনবু হাংকে হায়না থল্লে । অদুনা নিংথৌ ! কর্ণগী রথকী শগোলশিং

কর্ণো হন্যেত্যাদ্‌ পার্থান্ কাঙ্ক্ষসং হন্তুমিচ্ছতি । অত্যাতীবুধ্যে রাজন্! প্রোবাচে তং পুনঃ পুনঃ ॥৩৮॥
পার্থস্য সচিবঃ কৃষ্ণো যথাভীযুগ্রহো বরঃ । তথা ত্বমপি রাধেয়ং সর্বতঃ পরিপালয় ॥৩৯॥

সঞ্জয় উবাচ

ততঃ শল্যঃ পরিষ্বজ্য সুতং তে বাক্যমব্রবীৎ । দুর্য্যোধনমমিত্রঘ্নং প্রীতো মদ্রাধিপস্তদা ॥৪০॥

শল্য উবাচ।

এবঞ্চেন্মন্যসে রাজন্ ! গান্ধারে ! প্রিয়দর্শন ! । তস্মাত্তে যৎ প্রিয়ং কিঞ্চিৎ সর্বং করবাণ্যহম্ ॥৪১॥
যত্রাস্মি ভরতশ্রেষ্ঠ ! যোগ্যঃ কর্মণি কর্হিচিৎ । তত্র সর্বাত্মনা যুক্তো বক্ষ্যে কার্য্যধুরং তব ॥৪২॥
যত্তু কর্ণমহং ব্রূয়াং হিতকামঃ প্রিয়াপ্রিয়ে । মম তৎ ক্ষমতাং সর্বং ভবান্ কর্ণশ্চ সর্বশঃ ॥৪৩॥

কর্ণ উবাচ।

ঈশানস্য যথা ব্রহ্মা যথা পার্থস্য কেশবঃ । তথা নিত্যং হিতে যুক্তো মদ্ররাজ ! ভজস্ব নঃ ॥৪৪॥

শল্য উবাচ।

আত্মনিন্দাত্মপূজা চ পরনিন্দা পরস্তবঃ । অনাচরিতমার্য্যাণাং বৃত্তমেতচ্চতুর্বিধম্ ॥৪৫॥

অসিগী চুম্নীসিতদি থর শেন্নবিনবা পান্নবিনবা হায়জরি ॥৩৮॥ কৃষ্ণনা অর্জ্জুনগী সারথি ওইদুনা মরক মরক্তা মন্নুনা পীবিম্নিবদুম্না কৃষ্ণগা পাংথক্ ওইরবা নহাকসু কর্ণগী সারথি ওইদুনা মরক মরক্তা মথোম্মা মন্নুনা পীবিয়ু, কর্ণবু কনবিয়ু ॥৩৯॥ সঞ্জয়না হায়ঃ—মাদু তাবদা শল্য অসি পেনখ্রদুনা নচাউযুথো দুর্য্যোধনদা চেৎনা কোন্নগা রা অসি হায়রকই:—॥৪০॥ গান্ধারীনন্দন ! নিংথৌ নহাক্না অঙ্গয়ৌনা ঐথোম্মা তাকপিরবদি, অদুগা ঐবু অদুম্বা মীশক্ অমনি হায়না খল্লবদি নহাক্না থৌ হায়বা থবক্ পুম্বা তৌয়গে ॥৪১॥ ভরতশাগৈগী অথোইবা ! নহাক্না ঐবু মতীক্ চায় হায়না খন্‌বা থবক্ অদো, অকবা থওদে কণবা থওদে মাদুগী তাম পুম্বা ঐ পুয়ে ॥৪২॥ অদুনা লাক্তা ঐনা কন্নিগুম্বা কর্ণদা অকনবা অয়াকপা রাকক হায়দোকখিবা থোক্রবসু কর্ণনসু নিংথৌ নহাকসু ওাকপিগনি ॥৪৩॥ কর্ণনা হায়ঃ—মদ্ররাজ ! অকনবা ! ত্রিপুরাসুর হাৎখৈদা ব্রহ্মানা কদ্রগী কননবা-কাননব, তৌখি । অদুম্না কৃষ্ণনা অর্জ্জুনগী কননবা-কনন্দবত তৌরি । অদুগুম্বা অকনবা নহাক্না ঐখীসু কননবত খনবিদুনা অথোৎপা রাহৈন থওদে-অকনব-অয়াকপা রাহৈমা থওদে, চৈবু চৈথিগেম্বা থওদে, মন্নুনা পীথিয়ু । ঐ মাদু ঈশামকনা রাজয়ে ॥৪৪॥ শল্যনা হায়মকই:—অঙ্গাধিপতি ! কর্ণ ! অকনবা ! মশাবু মথন্তবু নিন্দা তৌজবা, মশামথন্তবু থাগৎচবা, অতোম্না অমবু মুক্তো নিন্দা তৌবা, অতোম্না অমবু থাগৎপা—থবক্ মরি অসে সজ্জন ওইবা হৌনবা

[illegible] [illegible]। [illegible] [illegible]কার্য্যিষু [illegible]। আহবে [illegible] [illegible] [illegible] ॥৪৬॥
অহং শল্যস্য সারথ্যে যোগ্যো [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] ॥৪৭॥
ততঃ পার্থেন সংগ্রামে যুধ্যমানস্য কেশব। বাহয়িষ্যামি তুরগান্ বিজ্বরো ভব সূতজ ॥৪৮॥

দুর্য্যোধন উবাচ।

অয়ং তে কর্ণ। সারথ্যং মদ্ররাজঃ করিষ্যতি। কৃষ্ণাদভ্যধিকো যন্তা দেবেন্দ্রস্যেব মাতলিঃ ॥৪৯॥
যথা হরিহয়ৈর্যুক্তং সংগৃহ্ণাতি স মাতলিঃ। শল্যস্তব তথাদ্যায়ং সংযন্তা রথবাজিনাম্ ॥৫০॥
যোধে ত্বয়ি রথস্থে চ মদ্ররাজে চ সারথৌ। রথশ্রেষ্ঠো ধ্রুবং সংখ্যে পার্থানভিভবিষ্যতি ॥৫১॥

সঞ্জয় উবাচ।

ততো দুর্য্যোধনো ভূয়ো মদ্ররাজং তরস্বিনম্। উবাচ রাজন্! সংগ্রামে যুধিষ্ঠিরে পর্য্যুপস্থিতে ॥৫২॥
কর্ণস্য যচ্ছ সংগ্রামে মদ্ররাজ! হয়োত্তমান্। ত্বয়াভিগুপ্তো রাধেয়ো বিজেষ্যতি ধনঞ্জয়ম্।
ইত্যুক্তো রথমাস্থায় তথেতি প্রাহ ভারত। ॥৫৩॥

শল্যেঽভ্যুপগতে কর্ণঃ সারথিং সুমনাঽব্রবীৎ। ত্বং সূত। স্যন্দনং মহ্যং কল্পয়েত্যসকৃত্ত্বরন্ ॥৫৪॥

খতবনা থক্ তৌনদে ॥৪৫॥ অহয় বেশকাল পাঞ্জ য়েঙ্গা তৌযবদি অকায়বা নৈতে হায়ত্তমদনা অকনবা নহাক্তী পুক্নীং থোংপক্পা ওইনা ঐ মতেক্ অমতং ঈপায় থাগৎকে। অনিংবা। মানি মুমা তাবিয় ॥৪৬॥ অহয়াজ। চেক্‌শিন্না শগোল থৌবা, শগোলদী মথুক্নীং থম্মোয় মশিঙ্বা খঙবা, অশাপা তৈবা, শগোলগী লায়েংবা থবক্‌শিং অশিন্না ঐসে ইন্দ্রগী মাতলি হায়বা সারথিদুকটী থোটনা তাবনি। অদুনা ঐ ইন্দ্রগী সারথি ওইদুনা মথপুবা থৌবা কাওবা লায়না ঙমগনি ॥৪৭॥ অদুনা পাপ য়াওদ্রবা দুতনন্দন। লালকম্‌দা অর্জুনগা থেংনগনি হায়রি থম্বো, মাদুনা ঐ অকনবা নহাক্তী সারথি ওইগে। অদুনা চৌজিক্তি সারথি নৈতে হায়বগী থাবিক্কম্বু ॥৪৮॥ দুর্য্যোধননা হায়ঃ—হাহা। দুংশাইবে। কর্ণ। অসিগুম্বা মদ্ররাজনা নহাক্তী সারথি ওইবিগদৌরবা অর্জুনগী সারথি কৃষ্ণগীয় হেন্দবা মীপক্ ওইবে:কা। ইন্দ্রগী সারথি মাতলিগা মর [illegible] দুংশাইবে। ॥৪৯॥ মাতলিনা ইন্দ্রগী মেখানয়া শগোলশিংবু থৌনহনবা মদ্ররাজ শল্যনা নহাক্তী শগোল থৌবিগদৌরে। ॥৫০॥ কর্ণ। নহাক্তুনা অমনা রথী ওইবগা মদ্ররাজ শল্যনা সারথি ওইদুনা লাকুংঙবদা শোয়দে, তদি ঐ পাণ্ডবশিং জয় তৌরেগনা। ॥৫১॥

সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ। মাদুগী অহিং অমুবা অরাং দুংশাইনা শোয়বদা, নোংচাউবগী লাপ্ শোয়বা হৌবগী থৌয়াং তৌনবদা দুর্য্যোধননা মদ্ররাজ শল্যদা অমুক্তা হায়রকই ॥৫২॥ "মদ্ররাজ। থৌয়াং লোইহন্দো। কর্ণনি শত্রুপাণ্ডবশিংবু থৌনমনবা হোৎনবিয়ো। অদুনা [illegible] [illegible] বিয়বদি কর্ণনা অর্জুনবু শোয়দনা [illegible] তৌরগনি।" দুর্য্যোধননা অমুক্তা [illegible] [illegible] কর্ণকি [illegible] [illegible] [illegible] শোয়না "[illegible] [illegible]" [illegible] [illegible] [illegible]

ততো জৈত্রং রথবরং গন্ধর্ব্বনগরোপমম্।
বিধিবৎ কল্পিতং ভর্ত্রে জয়েত্যুক্ত্বা ন্যবেদয়ৎ ॥৫৪॥ [uncertain]

তং রথং রথিনাং শ্রেষ্ঠঃ কর্ণোঽভ্যর্চ্য যথাবিধি।
সম্পাদিতং ব্রহ্মবিদা পূর্ব্বমেব পুরোধসা ॥৫৫॥

কৃত্বা প্রদক্ষিণং যত্নাদুপস্থায় চ ভাস্করম্।
সমীপস্থং মদ্ররাজমারোহেত্যব্রবীৎ ॥৫৭॥ (যুগ্মকম্)

ততঃ কর্ণস্য দুর্দ্ধর্ষং স্যন্দনপ্রবরং মহৎ।
আরুরোহ মহাতেজাঃ শল্যঃ সিংহ ইবাচলম্ ॥৫৮॥

ততঃ শল্যাস্থিতং দৃষ্ট্বা কর্ণঃ স্বরথমুত্তমম্।
অধ্যতিষ্ঠদ্যথাম্ভোদং বিদ্যুত্বান্ দিবাকরঃ ॥৫৯॥

তাবেকরথমারূঢাবাদিত্যাগ্নিসমত্বিষৌ।
ভাভাতেঃ যথা মেঘং সূর্য্যাগ্নী সহিতৌ দিবি ॥৬০॥

সংস্তূয়মানৌ তৌ বীরৌ তদাস্তাং দ্যুতিমত্তমৌ।
ঋত্বিক্‌সদস্যৈরিন্দ্রাগ্নী স্তূয়মানাবিবাধ্বরে ॥৬১॥

স শল্যসংগৃহীতাশ্বে রথে কর্ণঃ স্থিতোঽভবৎ।
ধনুর্ব্বিস্ফারয়ন্ ঘোরং পরিবেষীব ভাস্করঃ ॥৬২॥

আস্থিতঃ স রথশ্রেষ্ঠং কর্ণঃ শরগভস্তিমান্।
প্রবভৌ পুরুষব্যাঘ্রো মন্দরস্থ ইবাংশুমান্ ॥৬৩॥

সারথি ওইনু হায়বা য়াবরসিদা কর্ণনা য়াম্না হৰাউনা হায়রগী সারথি অদুদা "সারথি ! থুনা য়াওনা রথ শেম শাউ" হায়না থুনা য়াওনা হায়রকই ॥৫৪॥ অদুগী তুংদা সারথিদুনা গন্ধর্ব্বগী বিমানগা মান্নরবা রথ অদুবু বিধি কায়দনা শেম্‌শাবা লোইরবা তুংদা কর্ণগী নাক চৎলিক্‌না "মঙ্গল ওইবিয়ু ! মেরুব ওথিয়ু !—হায়না হায়রগা রথ শেম্‌শারে হায়না কর্ণদা হংগৎলে ॥৫৫॥ বেদজ্ঞান-হৈরবা পুরোহিতনা রথ অদুগী মঙ্গলাচরণ-স্বস্তিবাচন হায় তৌরবনি। অদুগী তুংদা আজৌগী কিজোল্ল-পূবনা লৈতোংলবা কর্ণনা চৎশিন্নক্‌না রথ অদুগী পূজা তৌরগা, রথ অদুবু লেৎওইননা কোয়রগা, সুমিৎ লোম্‌দা থনথক্‌না থুরম্নগা মদ্ররাজ শল্যদা "অকন্‌বা ! হায়া লেওগৎলু"—হায়রি। ॥৫৬-৫৭॥ অদুগী তুংদা নোংশাবা চীংদোম্নোম্‌দা কাথৎখিবদুগুম্না তেজ লৈরবা শল্যনা কর্ণগী য়াংচাউরবা লাক্‌তম্ কাওম্‌বনা রথমথক্ অদুদা কাথৎখি ॥৫৮॥ অদুগী তুংদা সুমিৎনা নোংখাংগা লোয়নবা নোংলক্ত হাইদোরকপগুম্ শল্যনা রথ মথক্ত কাথৎখিদুনা সারথীগী আসনদা লৈখিবদু উবদা থোইনা জৎতাইরবা কর্ণ অসিসু রথ অদুদা কাথৎখিদুনা রথীগী আসনদা চৎখি ॥৫৯॥ সুমিৎকা মৈগা অনীগী মতৌগুম্বা কর্ণগা শল্যগা অনীনা রথ অমদা পুল্লথা কাথৎখিবসিদা অনী অমি পাক্ চাউরবা নোংলক্তা সূর্য্যদেবগা অগ্নি দেবগা অনীনা মতম্ অমত্তদা থোয়রকপগুম্ থোইনা নীংথিজখি ॥৬০॥ য়জ্ঞদা পুরোহিতনা অদুগা য়জ্ঞ কম্‌লিবা পণ্ডিতশিং স্তুতি হোৎনলকপা য়জ্ঞদা ইন্দ্র অমদি অগ্নিনা থোইদোক্লা ভাহোয়রকপা—তেজগা লোয়ননা হাইদোরকপগুম্না লৈগি লৈখোম্বা শিংনা স্তুতিগাম থোক্লকপা কর্ণ শল্য অসি য়মথা অকন্‌বগী তেজ, পুম্নক্ থীক্ থখি ॥৬১॥ শল্যনা পগোল চুংগী অহু পায়থৎপকা কর্ণসি লীক্লং পায়থৎতুনা লোয়ী হাপ্লুনা অতগা থীংনবা লমনাঃ অশেংবা মতাম্ থোক্লকপী মরামদা সুমিৎনা লৈনগুম্, রথমথক্ অদুদা থুম্নপ চেংনা লৈখি ॥৬২॥ শিগা অতোইবু কর্ণনা তেজোং পোখত্তুনা, মথুমা থীক্ অজুগা থাম্লা, রথতুগা পাক

তং রথস্থং মহাবাহুং যুদ্ধায়ামিততেজসম্। দুর্য্যোধনস্তু রাধেয়মিদং বচনমব্রবীৎ ॥৬৩॥
অকৃতং দ্রোণভীষ্মাভ্যাং দুষ্করং কর্ম সংযুগে। কুরুষ্বাধিরথে। বীর। মিষতাং সর্বধন্বিনাম্ ॥৬৪॥
মনোগতং মম হ্যাসীদ্ভীষ্মদ্রোণৌ মহারথৌ। অর্জ্জুনং ভীমসেনঞ্চ নিহন্তারাবিতি ধ্রুবম্ ॥৬৫॥
তাভ্যাং যদকৃতং বীর। বীরকর্ম মহাহবে। তৎ কর্ম কুরু রাধেয়। বজ্রপাণিরিবাপরঃ ॥৬৬॥
গৃহাণ ধর্ম্মরাজং বা জহি বা ত্বং ধনঞ্জয়ম্। ভীমসেনঞ্চ রাধেয়। মাদ্রীপুত্রৌ যমাবপি ॥৬৭॥
জয়শ্চ তেঽস্তু ভদ্রং তে প্রয়াহি পুরুষর্ষভ।। পাণ্ডুপুত্রস্য সৈন্যানি কুরু সর্বাণি ভস্মসাৎ ॥৬৮॥
ততস্তূর্য্যসহস্রাণি ভেরীণামযুতানি চ। বাদ্যমানান্যরোচন্ত মেঘশব্দা যথা দিবি ॥৬৯॥
প্রতিগৃহ্য তু তদ্বাক্যং রথস্থো রথসত্তমঃ। অভ্যভাষত রাধেয়ঃ শল্যং যুদ্ধবিশারদম্ ॥৭০॥
চোদয়াশ্বান্ মহাবাহো। যাবদ্ধন্মি ধনঞ্জয়ম্। ভীমসেনং যমৌ চোভৌ রাজানঞ্চ যুধিষ্ঠিরম্ ॥৭১॥
অদ্য পশ্যতু মে শল্য। বাহুবীর্য্যং ধনঞ্জয়ঃ। অস্যতঃ কঙ্কপত্রাণাং সহস্রাণি শতানি চ ॥৭২॥
অদ্য ক্ষেপ্স্যাম্যহং শল্য শরান্ পরমতেজনান্। পাণ্ডবানাং বিনাশায় দুর্য্যোধনজয়ায় চ ॥৭৩॥

রাজনা কম্থিবসিমক্তি, ঊপাক্ ঔয়ারদগী খিদ্দোয়কপা মন্দম কোবা চাঊ্গী চাঊদোব্বা যুদ্ধিৎনা মশেক্কা লোয়ননা হাইদোরক্পসি মত্তায় ॥৬৩॥ মপাম্বোম্ চাউরবা, তম্থৈ সৈতনা তেজ দৈয়বা কর্ণনা রথ মথক্তা লাক্লোরগদবগী শেম্শাদুনা সৈরবা মতম্সিদা দুর্য্যোধননা অস্রা কর্ণদা হায়রক্ই ॥৬৪॥ অধিরথনন্দন। অকন্বা। ভীষ্ম-দ্রোণ অনীনা তৌব ঙম্খিদবা থবক্তো, অদুগা মথোয়বা তৌয়ম্দনা থনম্ব থবক্শিংদো অকন্বা নহাক্না পাণ্ডথোয়ক্উ ॥৬৫॥ ঐনা ভীষ্মদ্রোণ সৈমিতৈদা তৌরম্বা আশাদি মথোয় অনীনা য়াম্ত্রবদা ভীম-অর্জ্জুন অনীসিবুতদি মহাৎলম্মনি অসিনি॥৬৬॥ অকন্বা। রাধানন্দন। ভীষ্ম-দ্রোণ অনীনা তৌয়ম্দনা থনম্বা থবক্ মথাক্ অসে নহাক্না অনীগুবা ইন্দ্রগী মতৌঙুমা অমুক্তা পাংথোক্লম্মু ॥৬৭॥ রাধানন্দন। যুধিষ্ঠিরবুদি নহাক্না চঙনা কাহনা পুরকে হায়রবসু ঐ কব্রিমত হায়দে। অদুগা ভীম অর্জ্জুন নকুল সহদেববুদি হিনে হিংনদি থনম্মুকো ॥৬৮॥ নিপা অথোইবা। জয় ওইয়ু। মঙ্গল ওইয়ু, চৎলো পন্থরসু, যুধিষ্ঠিরগী লান্মী মশৈবু উৎ ওইনা মাঙহল্লো ॥৬৯॥ অসিগী তুংদা পুংশেল্ যম্মৈবশক্পশিংবা শক্কং মৈপৎম-শক্পদা, যম্ম লিশিং লিশিং মৈথৎ খোংগৎনরকলবদা নোংমদোম, মকোয় অসি নুমবা নোংগী মথোয়া পূরনিন্ নিম্বক্পনা যম্মশিং অসিগী মথোয় পূরনিন্ মিন্খি ॥৭০॥ অসোমদা কর্ণনা দুর্য্যোধনবা হায়রিবা বা অসি তাবদা সারথি ওইরিবা শল্যদা অস্রা হায়রক্ই :—অকন্বা। শুগোলশিং অসি থৌবা হৌবিয়ো। তসিদি ঐ ভীম অর্জ্জুন নকুল সহদেব অদুগা রাজবদি যুধিষ্ঠির কাববা হাৎকে ॥৭১॥—৭২ মদ্ররাজ। মীকুপ মীকুপ্তা লীকলগী তেন লিশিং লিশিং শাইথোক্লনে অর্জ্জুননা ঙসি ঐগী শক্তি অমদি বিদ্যাবু শিঙ্কিঠৌ মমীৎ থীৎনা উবহৌরসু ॥৭৩॥ মদ্ররাজ।

শল্য উবাচ।

সূতপুত্র! কথং নু ত্বং পাণ্ডবানবমন্যসে। সর্ব্বাস্ত্রজ্ঞান্ মহেষ্বাসান্ সর্ব্বানেব মহাবলান্ ॥৭৪॥
অনিবর্ত্তিনো মহাভাগানজয্যান্ সত্যবিক্রমান্। অপি সংজনয়েয়ুর্যে ভয়ং সাক্ষাচ্ছতক্রতোঃ ॥৭৫॥

(যুগ্মকম্)

যদা শ্রোষ্যসি নির্ঘোষং বিস্ফূর্জিতমিবাশনেঃ রাধেয়! গাণ্ডিবস্যাজৌ তদা নৈবং বদিষ্যসি ॥৭৬॥
যদা দ্রক্ষ্যসি ভীমেন কুঞ্জরানীকমাহবে। বিশীর্ণদন্তং নিহতং তদা নৈবং-বদিষ্যসি ॥৭৮॥
যদা দ্রক্ষ্যসি সংগ্রামে ধর্ম্মপুত্রং যমৌ তথা॥ শিতৈঃ পৃষৎকৈঃ কুর্ব্বাণানভ্রচ্ছায়ামিবাম্বরে ॥৭৯॥
অস্যতঃ ক্ষিপ্রমস্ত্রাণি দুর্হতান্ দুরাসদান্। পার্থিবানপি চান্যাংস্ত্বং তদা নৈবং বদিষ্যসি ॥৮০॥

(যুগ্মকম্)

সঞ্জয় উবাচ।

অনাদৃত্য তু তদ্বাক্যং মদ্ররাজেন ভাষিতম্। যাহীত্যেবাব্রবীৎ কর্ণো মদ্ররাজং তরস্বিনম্ ॥৮১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
শল্যসংবাদে ঊনত্রিংশোঽধ্যায়ঃ ॥০॥ *

ওসিদি ঐ পাণ্ডবশিং লোইনা তুমনবা, দুর্য্যোধননা জয় ওইননবা শাকু কনবা লাইগী তেল্-খুংলায়মক শীজিন্নগে ॥৭৪॥ শল্যনা হায়ঃ—সূতনন্দন। পাণ্ডবশিংসে খুংঙ খুংলায় লোইনা চেংনা হৈবব মক্তনিকো। অদুগা মহাধনুর্দ্ধারী, থোইনা কনবা, লান্দ চেন্‌বা হৈতবা, মযুক্‌চেল চাউরবা, মী অমনা পাকওমক্কত্রবা মীশক্ ওাক ওইরবনি। মখোয় অমময় ইন্দ্রমকী থম্মোয়দা মিপাইবা অকিবা পোকহন্‌বা ঙম্বা মক্তনি। অদুবু নহাক্না করিগী মখোয় পুন্নম্ অম্বুক থোওই উশিন্তনা থাঙ্‌লিবগো? ॥৭৫-৭৬॥ রাধানন্দন। অর্জুনগী গাণ্ডীবগী থোঙ্গেল তাব্রিউদা থম্ নাক্না তাহৌ, মতুংদা অমুক্ অমুক্ নায়া তাওশক্কবগী মতম্ কংলমোই ॥৭৭॥ ভীমনা শামু লিশিং লিশিংগী ময়া ছুৎছত্তুনা লংশিন্নকপা মতম্দা অম্না অমুক্ ঙাওবা য়ারোই ॥৭৮॥ যুধিষ্ঠির নকুল সহদেবনা অদুগা মখোয়গী পন্নগী অকনবা ল্যাগীশিংনা নোংনা নোংমদোনবু কুপশিনহনখিবদুগুম্না মখোয়না তেলগী মপৈ মপৈনা নোংমদোনবু কুপশিন্নকপা মতম্ অদুদা অম্না থক ওাওবা য়ারমোই ॥৭৯-৮০॥ সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ। শল্যনা হায়রিবা য়াশিং অসিদা কর্ণনা থোইদোক্না খৌশাক্কনা মদ্ররাজ শল্যদা কায়দে, অকনবা। নবহন্ থৌজিল্লু”—হায়খি ॥৮১॥

মসম্ অসিদা শ্রীমহাভারতকী শ্লোক লিশিং চায়না শ্রীব্যাসনা লেংবা-লেইরিতাব। কর্ণপর্ব্বদা শল্যসংবাদকী যূমনাপন্ ওবা অধ্যায় লোয়রে—॥X॥X

শ্রীমহাভারতম্

ত্রিংশোঽধ্যায়ঃ।

(কুহ্‌ৎহুবা অধ্যায়)

(লালকম্‌দা-কর্ণগা শল্যগা ওাওনমন্নপা মতাং)

সঞ্জয় উবাচ।

দৃষ্ট্বা কর্ণং মহেষ্বাসং যুযুৎসুং সমবস্থিতম্। চুক্রুশুঃ কুরবঃ সর্বে হৃষ্টরূপাঃ সমন্ততঃ ॥১॥

ততো দুন্দুভিনির্ঘোষৈর্ভেরীণাং নিনদেন চ। বাণশব্দৈশ্চ বিবিধৈর্গর্জিতৈশ্চ তরস্বিনাম্ ॥২॥

নির্যযুস্তাবকা যুদ্ধে মৃত্যুং কৃত্বা নিবর্তনম্। প্রয়াতে তু ততঃ কর্ণে যোধেষু মুদিতেষু চ ॥৩॥

চচাল পৃথিবী রাজন্ ররাস চ সুবিস্বরম্। নিশ্চরন্তো ব্যদৃশ্যন্ত সূর্যাৎ সপ্ত মহাগ্রহাঃ ॥৪॥
(বিশেষকম্)

উল্কাপাতাশ্চ সঞ্জজ্ঞুর্দিশাং দাহাস্তথৈব চ। শুষ্কাশন্যশ্চ সংপেতুর্ববুর্বাতাশ্চ ভৈরবাঃ ॥৫॥

মৃগপক্ষিগণাশ্চৈব পৃতনাং বহুশস্তব। অপসব্যং তদা চক্রুর্বেদয়ন্তো মহাভয়ম্ ॥৬॥

প্রস্থিতস্য চ কর্ণস্য নিপেতুস্তুরগা ভুবি। অস্থিবর্ষঞ্চ পতিতমন্তরীক্ষাদ্ভয়ানকম্ ॥৭॥

সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ! মহাধনুর্দ্ধারী কর্ণনা সেনাপতি ওইদুনা লালনুদা থোরকপসি উবদা দুংওাইথিদনা কৌরব লাম্নীশিংনা হৌনা হৌনা সিংহনাদ লাউনদুনা লালকম্ অহ পূরনিন লিলহনথি ॥১॥ অদুগী তুংদা পুংশেল যন্ত্র নৈবাশেনবা-থোংবশিংনা মথোরগী যন্ত্রগী মথোল অদুগা লাম্নীশিংগী লাউমহন্নপগী মথোল অদুগা অমত ওইনা পূম্নমথিদনা লান্দা নীওহন্দনা শিবজনা কত্রিয়শিংগী অয়ানবা খুতম্ (মুক্তি) কংননবগী লম্বীনি হায়না থরথিদনা লালকমলোমদা থোরকলে। মহারাজ! মতম অসিদা কর্ণনা থোরকলবদা, লাম্নীশিংনা হরাউবা আরকলবদা পৃথ্বী অসি থক্ থক্ নীকথি। পৃথ্বীনা থোঙ্গেহোরা লাউথি কপথি। মহাগ্রহ তরেৎনা সূমিংকী মকোয়দগী তোঙলেনবা অকপা। তরং তরংনা উনথি ॥২-৪॥ শঙাবীশেল পাই, মায়বৈ চাকই; লোং মাওননা-মদেরা মীরাকলরাউ তাই। দুংশিং অসি কদোমদগীনো কয়া হেক্ শিংলকই ॥৫॥ শাউচেকশিংনা অকিবনং ওইনা লাক্ল-লাক্ল থোংতি। শাউচেকশিং অদুনা থোরকলিবা লাম্নীশিং অদুগী ওয়রোমদা হেক্ হেক্ কাম্বু কারল চৎলি কোয়লাই পাই ॥৬॥ কর্ণনা হেক চথোরকপা মতমসিদা মথগী শগোলশিং অহ থুদি খী, মথোঙদু শূৎ-শূৎ নাম্বোকই। করিদু হৈতৌ তৌদনা উকথুননা তুই। লাম্নী মপৈ অদুগী মথক মপাদা শরকারগী লোং অকিব কনা তুই ॥৭॥

অজস্রৈদেব শস্ত্রাণি ধনূংষীব চকম্পিরে। অস্ত্রাণি চ বাযুবেগ বাহনানি বিশাংপতে। ॥৮॥

এতে চান্যে চ বহব উৎপাতাস্তত্র মারিষ ! । সমুৎপেতুর্বিনাশায় কৌরবাণাং সুদারুণাঃ ॥৯॥

ন চ তান্ গণয়ামাসুঃ সর্বে দৈবেন মোহিতাঃ। প্রস্থিতং সূতপুত্রঞ্চ জয়েত্যূচুর্নরাধিপাঃ ॥১০॥

শল্যেন সহিতং দৃষ্ট্বা কর্ণমাবদ্ধোভিমম্। নির্জিতান্ পাণ্ডবাংশ্চৈব মেনিরে তত্র কৌরবাঃ ॥১১॥

ততো রথস্থঃ পরবীরহন্তা ভীষ্মদ্রোণাবস্তবীর্য্যৌ সমীক্ষ্য।

সমুজ্জ্বলন্ভাস্করপাবকাভো বৈকর্ত্তনোঽধ্যগো রথকুঞ্জরো নৃপ ! ॥১২॥

স শল্যমাভাষ্য জগাদ বাক্যং পার্থস্য কর্মাপ্রতিমং বিচিন্ত্য।

মানেন দর্পেণ বিদহ্যমানঃ ক্রোধেন দীপ্যন্নিব বিশ্বসংশ্চ ॥১৩॥ (যুগ্মকম্)

নাহং মহেন্দ্রাদপি বজ্রপাণেঃ ক্রুদ্ধাদ্বিভেম্যাত্তধনু রথস্থঃ।

দৃষ্ট্বাপি ভীষ্মপ্রমুখান্ শয়ানান্ ন শেষ মাং সা স্থিরতা জহাতি ॥১৪॥

মহেন্দ্রবিষ্ণুপ্রতিমাবনিন্দিতৌ রথাশ্বনাগপ্রবরপ্রমাথিনৌ।

নিংথৌ ! কৌরবলাম্নীশিংগী থুৎলায় অহু মশা মশানা চাকথেকপা হৌরে, কিয়ালশিংঅহুমু থোকথোক নোম্নি। শগোল শামুনচিংব বাহন (শাদোং) শিং অহুগী মমীৎমমীত্তগী পি শিংখি ॥৮॥ ঈকায় খুম্নবগী মশক ওইরবা নিংথৌ ! অসি নত্তবা কৌরব তেঙ্গোল পুম্বা মাঙত্তাকপা তারে ফায়বদুগী খুদমশিং অতৈ অতৈসু মথং মথং উবা হৌরকলে ॥৯॥ অদুবু, মহারাজ ! অসুম্ হায়না অমূখিবনা কৌরবলাম্নীশিংনা কত্রবা অমঙ্গলগী খুদমশিং অদুবু কৱিসু লৈতনা অদুগা নাপীগুম খল্লোকখি। মাচুককাদি থোইনা য়েংঙ্দনা কর্ণগী পাঙ্গলগী মথক্কদা আশাপুম্বা থমদুনা জয়কার কাউদুনা য়াম্ন নোক্কখেনা চঙশিল্লকই ॥১০॥ শল্যগী লৈতেংগী মশক ওইরবা মহাবীর কর্ণবু অদুগা শল্যবু উবদা ঙসিগী যুদ্ধিত্তা পাণ্ডবপুম্বা তুম্মেদনা হায়না খল্লখি ॥১১॥ মহারাজ ! অসিগী তুংদা তরং তরং হাইদোরকপা সূর্য্য, অমদি অগ্নি অনীগী অপুনবা শক্তিগী মুর্ত্তিগী মশক্ ওইরবা, য়েক্লবা হাৎলম্বা, থবী অশোইবা কর্ণনা, ভীষ্মদ্রোণ অনীনা তুখিবত্তবুসু খন্দুনা যুদ্ধ বিচার তৌদুনা, অর্জুনগী তৌখক্লবা শক্তিবুসু কূপ্প নৈনরগ, অহুগী মথক্তা মশা মশত্তগী নাপনম্ম খঙ্গোয় খুমহৎখিদুনা অমাউবগী মৈনা খন্দোয় হকচাং অনীমক চাকখিদুনা মুংশামপী ফুইনা হোল্লগা সারথি ওইরিবা শল্যদা অদুম হায়রকই ॥১২-১৩॥ "অকনবা ! সারথি ! মদ্ররাজ ! ঐনা ইথুত্ত লৌকংবু খুদম চেংনা পায়রগা মরৈনবক্তা ঐসু, মাঙ্গা শাউনবা মমায় ঙাওদবা মথুম্ম বজ্র পাম্নবা ইন্দ্রমক অক্কন্নবা ঐ মাদু কিদে। অদুমক অহু কাওবগা ঐ কত্তিমক মিপাইবা-কিংবা খঙ্গু তৌরোই ॥১৪॥ ইন্দ্র অমসুং বিষ্ণুগী, মতোংগুম্বা শক্তি লৈবা, নিন্দা তোঙ্গনীগাই নাইবদ্ধ মপাদা য়াওদবা, য়েক্লবা শল্লগী পানবা থাকপা রথী অমসুং শল্যবু শরাং লানথোকপগী অহল্লবা ভীষ্ম দ্রোণ অনীমকপু য়েক্লবশিংনা

অব্যক্তৌ নিহতৌ যদা পরৈস্তথাপি মে নাস্তি যশোহস্ত শাশ্বতম্ ॥১৫॥
সমীক্ষ্য সংখ্যেহতিবলান্ মহাবিধান্ মহৎমাতঙ্গরথান্ পরৈর্হতান্ ।
কথং ন সর্বানহিতান্ রণেহবধীস্তথাস্ত্রবিদ্ব্রাহ্মণপুঙ্গবো গুরুঃ ॥১৬॥
স সংস্মরন্ দ্রোণমহং মহাহবে ব্রবীমি সত্যং কুরবো নিবোধত ।
ন যো মহত্তঃ প্রসহেদ্রণেহর্জ্জুনং সমাগতং মৃত্যুরিবোগ্রশাসিনম্ ॥১৭॥
শিক্ষাহপ্রমাদশ্চ বলং ধৃতিশ্চ দ্রোণে মহাস্ত্রাণি চ সন্নতিশ্চ ।
স চেদগান্মৃত্যুবশং মহাত্মা সর্বানন্যানাতুরানদ্য মন্যে ॥১৮॥
নেহ ধ্রুবং কিঞ্চিদপি প্রচিন্তয়ন্ বিন্দামি লোকে কর্ম্মণোহনিত্যযোগাৎ ।
সূর্যোদয়ে কো হি বিমুক্তসংশয়ো ভাবং কুর্বীতাদ্য গুরৌ নিপাতিতে ॥১৯॥
ন নূনমস্ত্রাণি বলং পরাক্রমঃ ক্রিয়া সুনীতং পরমায়ুধানি বা ।
অলং মনুষ্যস্য সুখায় বর্ত্তিতুং তথাহি যুদ্ধে নিহতঃ পরৈর্গুরুঃ ॥২০॥
হুতাশনাদিত্যসমানতেজসং পরাক্রমে বিষ্ণুপুরন্দরোপমম্ ।
নয়ে বৃহস্পত্যুশনঃসমং সদা ন চৈনমস্ত্রং তদপাৎ সুদুঃসহম্ ॥২১॥

ফুহনথকাওবসিদা ঐনা য়েক্কবগী লাগ্নীশিং অসিবু করিমত কিব নৈতি ॥১৫॥ অহুগা, য়েক্কবশিংনা ঐখোয়গী শগোল শাম্ রথীনচিংবা লাগ্নী নিংথৌ অকনবা কয়াকয়াবু হাৎপ্রে হায়বসি উনা উনা খঙন খঙনা খুৎলায় হৈয়বা, লান্দা লাইগুম্বা দ্রোণনা য়েক্কবশিংবু করিগী লোইনা হাৎলমদে ? অহুনা, দ্রোণাচার্য্যনা নৈখিদমক্তবু অহুম্ খঙ্গুবদা ঐনা থাজৈশেংনা হায়রি। মাহুদি- কৌরব লাগ্নীশা। নখোয় খ্বাইগী মঙ্গুংদা কর্ণ ঐ নত্তনা, থাজৈশেংবা মৃত্যুবকী মশক ওইরবা, অকিবগী মশক ওইরবা অর্জ্জুনগা মায়োক্কদবা কনা অমত্ত য়াওদে ॥১৭॥ দ্রোণগী মশাদা মহৈ, চেক্কশিনবা, তপথব, মরিল, মথৌনা, গুক্কমনদা নোঙ্গকপা গুণ পুম্মক অসি লোইনা নৈখিবনি। অহুবু মহাক অহুনা অশিবগী মথা পোনখিবসিদা, নৈরিব নখোয়সি লোইনা কিখনা খক্ খক্ মীক্কে হায়বসি ঐ খঙলে-উরে ॥১৮॥ সংসারদা নৈরিবা কর্ম্ম পুং অনিত্যথকনি, অহুনা, নিত্য ওইবা পোশক্ অমত্ত সংসারদা নৈতে। অহুবু, অনিত্য হায়বসি খঙন খঙনা তাইবং মীনা মাপ্পানা কূপখিহুনা কর্ম্মদি অহুথ মতৌমি। মরমদি ভসি দ্রোণ নৈখিক্কে হায়বসি উনা উনা খঙন খঙনা কনা অমত্তনা ঐ হয়েং ক্‌ওবা নৈখিনি খুমিৎ শোকুপা উখিনি হায়বগি হায়দোকপদা চিংনবা করিমত তৌগে ॥১৯॥ মসিদগী করি খঙকপে হায়রবু :—হুক্কচাংগী পাক্কপ, থৌনা, থর্ম্মী খবক, য়াম হৈশিংবা, অমানী ওইবা, লম্‌য়, লাইগী খুৎলায় পুম্মক অসিনা মীওইবগী পুক্কীংবা মপুংফানা নুংঙাইবা করিমত পীবা ঙমদে। মরমদি হায়রিব গুণশিংসে দ্রোণগী মশাদা অমত্ত য়াত্তনা নৈখিবনি। অহুব্ য়েক্কবগী মখুতা থোইনা তমখিবা মকাদা য়াগা য়াম্না থবাহি থাবি ॥২০॥ দ্রোণ হায়রবা নিপাদো খুমিৎ-নৈ অগীমকী তেজবু পুক্কা মীপকনি। খণ্যাকপ মথৌলাব

সংগ্রামশূরে কদিতে শ্রীসুযাসে পরাভূতে পৌরুষে ধার্ত্তরাষ্ট্রে।
যথা কৃতাবিতি জানামি শল্য। প্রয়াহি তস্মাদ্বিবতামনীকম্ ॥২২॥
যত্র রাজা পাণ্ডবঃ সত্যসন্ধো ব্যবস্থিতো ভীমসেনার্জ্জুনৌ চ।
বাসুদেবঃ সাত্যকিঃ সৃঞ্জয়াশ্চ যমৌ চ কস্তান্ বিষহেদ্মদন্তঃ ॥২৩॥
তস্মাৎ ক্ষিপ্রং মদ্রপতে। প্রয়াহি রণে পাঞ্চালান্ পাণ্ডবান্ সৃঞ্জয়াংশ্চ।
তান্, বা হনিষ্যামি সমেত্য সংখ্যে যাস্যামি বা দ্রোণপথা যমায় ॥২৪॥
ন ত্বেবাহং ন গমিষ্যামি মধ্যং তেষাং শূরাণামিতি মাং শল্য। বিদ্ধি।
মিত্রদ্রোহো মর্ষণীয়ো ন মেঽয়ং ত্যক্ত্বা প্রাণাননুযাস্যামি দ্রোণম্ ॥২৫॥
প্রাজ্ঞস্য মূঢ়স্য চ জীবিতান্তে নাস্তি প্রমোক্ষোঽন্তকসংকৃতস্য।
অতো বিদ্বন্‌ভিয়াস্যামি পার্থান্ দিষ্টং ন শক্যং ব্যতিবর্ত্তিতুং বৈ ॥২৬॥
কল্যাণবৃত্তঃ সততং হি রাজা বৈচিত্রবীর্য্যস্য সুতো মমাসীৎ।
তস্যার্থসিদ্ধ্যর্থমহং ত্যজামি প্রিয়ান্ প্রাণান্ দ্রুত্যজং জীবিতঞ্চ ॥২৭॥

হিক্সু অমদি ইন্দ্রমক্কা পাংথকনি। রাজনীতি-যুদ্ধনীতিদা থাজৈশোংবা বৃহস্পতিমক্কি। বৈজ্ঞানিক-যুদ্ধদা শুক্রাচার্য্যমক্কা খেন্নজবনি; অদুবু লাকশমকাওজবা লাইগী খুৎলায়মক্কা মাবু য়েক্কবগী মথুত্তগী কনবা ওয়্‌থিদে ॥২১॥ অসিগুম্বা দ্রোণনা লৈথিজবদা, লাম্নী পুম্নমক্কা হাহাকার লাউনরক্লবদা মুপী অতাং পুম্বনা রারা লাউনা কপ্পরক্লবদা দুর্য্যোধন হায়বা নিপাসিগী মথিল মথৌনা পুম্বা লোইনা মরায় চারব্রে। তাঙ্গা অসিদা দুর্য্যোধনগী মতেং পাংবতনা ঐগী পুন্সি অসিগী অয়োইবা অমত্ত ওইবা ঈথৌনি। অদুনা অকনবা। শল্য। রথ অসিবু য়েক্কবগী তেঙ্গোললোমদা থুনা য়াঙনা খৌজিনবিয়ু ॥২২॥ রাশক চেৎপা ধর্ম্মচেনবা যুধিষ্ঠিরন', অকনবা ভীম অর্জ্জুননা লৈয়িবা, কৃষ্ণ, সাত্যকি, সৃঞ্জয়শিং, নকুল সহদেবনা লৈয়িবা অসোমদা রথ অসি থুনা য়াঙনা খৌজিনবিয়ু। মরমদি ঐ নত্তনা কৌরব তেঙ্গোলগী মপুংদা মথোয়পা মায়োক্লগদবা কনা অমত য়াওব্রে ॥২৩॥ য়েক্কবশিং অসিগী মরক্ত ঐনা চত্তশিন্নোই হায়বসে শক্ ওইবা য়াবা রা, নত্তে ঐ মিত্রদ্রোহী ওইগোই। মক্কপকৌদমক্ থরাই থানি হায়দুনা লাক্লগা মীওইমচ্চনা বিশ্বাসঘাত তৌরম্মোই। অদুনা মদ্ররাজ। অকনব। মাসিমদি থাজবিয়ু:—বর্ণ ঐসু থরাই থারকাওবা দুর্য্যোধনগীদমক্ দ্রোণনা চৎখিবা লম্বী অদুদা চুমজিং চৎখিগনি ॥২৫॥ তাইবং মীনা কনা য়াম্না জ্ঞানী ওইগে ওইবু, মূর্খ ওইগে ওইবু, মাগী চেঙনা হেক লোইবা মীকুপ অদুদগী থজিকং সংসারসিদা চোম্ব থিগে হায়বা য়াব মতে। অদুনা, অকনবা। অশিংবা মদ্ররাজ। ঐবু অতৈগী নাক্ত খৌজিনগনু-পু'শন-গনু পাণ্ডবশিংনা লৈয়িবা অালোমদা চুমজিংনা পুশিনবিয়ু। মরমদি, মীগী পুন্সিগী পোলোইদি অসুম মুক মরুংদা ওইবু হায়বসে লাইনা, মাগী মাগী অাগ্যদা তমদুনা লোইশ্বনি। মাদুদগী

বৈয়াঘ্রচর্ম্মাণমকূজনাক্ষং হৈমত্রিকোশং রজতত্রিবেণুম্ ॥
রথপ্রবর্হং তুরগপ্রবর্হৈর্যুক্তং [illegible] হি [illegible] ॥২৮॥

ধনূংষি চিত্রাণি নিরীক্ষ্য শত্রো । [illegible] [illegible] [illegible] ।
অসিঞ্চ দীপ্তং পরমায়ুধঞ্চ শঙ্খঞ্চ শুভ্রং স্বনবন্তমুগ্রম্ ॥২৯॥ (যুগ্মকম্)

পতাকিনং বজ্রনিপাতনিস্বনং সিতাশ্বযুক্তং শুভতূণশোভিনম্ ।
ইমং সমাস্থায় রথং রথবর্ত্তং রণে হনিষ্যাম্যহমর্জ্জুনং বলাৎ ॥৩০॥
তঞ্চেন্মৃত্যুঃ সর্ব্বহরোঽভিরক্ষেৎ সদাঽপ্রমত্তঃ সমরে পাণ্ডুপুত্রম্ ।
তং বা হনিষ্যামি সমেত্য যুদ্ধে যাস্যামি বা ভীষ্মমুখো যমায় ॥৩১॥

যমবরুণকুবেরবাসবা যদি যুগপৎ সগণা মহাহবে ।
জুগুপিষব ইহৈত্য পাণ্ডবং কিমু বহুনা সহ তৈর্জ্জয়ামি তম্ ॥৩২॥

সঞ্জয় উবাচ ।

ইতি রণরভসস্য কত্থতস্তদুপনিশম্য বচঃ স মদ্ররাট্ ।
অবহসদবমন্য বীর্য্যবান্ প্রতিষিষিধে চ জগাদ চোত্তরম্ ॥৩৩॥

কনাগু লাম্বোকপা ওম্বা নত্তে ॥২৭॥ নিংথৌ দুর্য্যোধন হায়বসিন যুধিষ্ঠির ঐগী কনমবগী খুদুনা লৈরি ; অদুনা নিংথৌ মাগীদমক্ত ঐ থবাই, হকচাং, লম্নম লোইনা থাজোকপগে ॥২৭॥ মহারাজ । গুরুদেব পরশুরামনা পেনবিদুনা ঐঙোন্দা কজরবা, রাং চাউরবা রথ অসে পীবিরম্বনি । মসিগী অকোয়বদা থারবা কৈ মউরা ঈকোয় কোয়শিল্লি । চাকাশিং অসি লৈপাক্কা কনা রাম্না কম্ব তজ্জনষ্ট মখোল থোক্কখনি । রথ অসিগী মমুংদা সনাতনা শাবা উপু অহুম, লুপাতনা শাবা দণ্ড (পন্না) অহুম, অদুগা করবা শগোল মরিসি য়াওরিবনি । অসিগী মথক্তা গুরুদেব পরশুরামনা ঐবু পুংশিবিদুনা লীকং, তেন, গদা, অকিবগী মশক্ ওইরবা তেন করাম্বু অদুনা লংলবা থাঙশাং, অদুগা তৌরোক তৌরবা, মখোয়া অকিবগী মশক্ ওইরবা লোইবুং অমম্ব পীবিরম্মি ॥২৮-২৯॥ অদুনা, কিয়াল মথল মখল্লা লৈতেংলবা বজ্র তায়কপগুম্ হৌরবা, অতৌবা শগোল চিংলবা, [illegible] তেন্দোং করাবা থম্ব য়াওরবা, রাং চাউরবা রথ অসিদা তোংদুনা ঐ গুলি নমদুনা ঐগী পুনশিগী অমত্ত ওইবা য়েকবা অর্জ্জুনবু হাৎকে ॥৩০॥ ঐনা মঙ্গোরবা লানকদা অর্জ্জুনবু হাৎকনি । অদুগা কবিওবা পুয়মকপু [illegible] অশিবা কোবা লাই অহুন মূর্ত্তি নাইনা চোংথোরকদুনা অর্জ্জুনবু হেক্ মকনথবদি ঐনু ভীষ্মগী লৈমিন অদোমদা চৎথিদুনা যমালয়দা য়ৌথিগে ॥৩১॥ য়াম্না [illegible] [illegible] । যম, বরুণ, কুবের অমসুং ইন্দ্র মকা মখী মাগী থোঙলোয়গা লোয়মনা অর্জ্জুনবু [illegible] [illegible] ঐনা মখোয় পুন্নমকপা লোয়মনা [illegible] তৌগনি ॥৩২॥ সঞ্জয়না হায় :—মহারাজা [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

শল্য উবাচ।

বিরম বিরম কর্ণ! কত্থনাদতিরভসোঽতি চাপ্যযুক্তবাক্।
ক্ব চ হি নরবরো ধনঞ্জয়ঃ ক্ব পুনরহো পুরুষাধমো ভবান্ ॥৩৪॥
যদুসদনমুপেন্দ্রপালিতং ত্রিদিবমিবামররাজরক্ষিতম্।
প্রসভমভিবিলোড্য কো হরেৎ পুরুষবরাবরজামৃতেঽর্জ্জুনাৎ ॥৩৫॥
ত্রিভুবনসৃজমীশ্বরেশ্বরং ক ইহ পুমান্ ভবমাহ্বয়েদ্যুধি।
মৃগবধকলহে ঋতেঽর্জ্জুনাৎ সুরপতিবীর্য্যসমপ্রভাবতঃ ॥৩৬॥
অসুরসুরমহোরগান্ নরান্ গরুড়পিশাচযক্ষরাক্ষসান্।
ইষুভিরজয়দগ্নিগৌরবাৎ স্বভিলষিতঞ্চ হবির্দদৌ জয়ঃ ॥৩৭॥
স্মরসি ননু যদা পরৈর্হৃতঃ স চ ধৃতরাষ্ট্রসুতোঽপি মোক্ষিতঃ।
দিনকরসদৃশৈঃ শরোত্তমৈর্যদা কুরুষু বহূন্ বিনিহত্য তানরীন্ ॥৩৮॥
প্রথমমপি পলায়িতে ত্বয়ি প্রিয়কলহা ধৃতরাষ্ট্রসূনবঃ।
স্মরসি ননু যদা প্রমোচিতাঃ খচরগণানবজিত্য পাণ্ডবৈঃ ॥৩৯॥

কর্ণদ। অসুরা হায়রকই ॥৩৩॥ কর্ণ! নশানথস্তবু থাগচ্চবদো তোক্লো, ওকৃলে। নং রায় বাপলা তোরে, অদুগ। রায়া কা হেন্ন লায়সু ভাণ্ডলে। নিপা অথোইবা অর্জ্জুননা কদায়দা! অদুগা তোয়বা পীরুবা নংনা কদায়দা? রায় খেয়প্রে ॥৩৪॥ য়েংও, কর্ণ! নীওশিওও,। অর্জ্জুন নগুনা কনানা বলদেব কৃষ্ণ অনীনা ভাকৃলিবা দ্বারকাবু নৈখারগা। কৃষ্ণগী মচনসুপা সুভদ্রাবু নিংথো কয়াবু মথগুনা জয় তোরস্নগা পুরকদগে? ॥৩৫॥ ইন্দ্রগা মায়না মতীক মণ্ডপ চাউরবা অর্জ্জুন নগুনা করবা নিপানা ওককী মশক্ লোয়বা মুকদানবকী হাৎপহাত্তবগী রাথোক্ত জগৎকী সংহারকর্ত্তা, লোকপাল পূরুষকী মবুঙো মহাদেবমকপু খেংননি হায়না শীংনহুনা কৌথোক্পসিবু ভম্গদগে? ॥৩৬॥ অর্জ্জুননা আগ্নিদেবগী মণ্ডপ খঙহুনা মাগী তেল খরতনা দেবতা, অসুর, লিল, মী, শা, উচেক, হিংচায়াইতবা কয়া কয়াবু নৈহত্ত্না ইন্দ্রগী খাণ্ডববনবু অগ্নিদেবদা দান তোখি ॥৩৭॥ কর্ণ! কাউরবরা? কুরু-জাঙ্গল দেশদা লম-ভু য়েংবা চৎপা ঘোষযাত্রাগী মতমদা গন্ধর্ব্ব শিংনা দুর্য্যোধনবু পুন্দুনা পুখিবদো। মতম অদুদা নথোর খাইনা চেয়থবদা অর্জ্জুন মত্তোমতনা কদোমদগীনো ছোংথোবক্‌না, মাগী সুমিৎকী মশেক্‌ম লংলবা তেঙনা গন্ধর্ব্ব শিংহবু জয় তোরগা দুর্য্যোধনগী থথাই কনখিবদো কাউরসিনি ॥৩৮॥ মাহুৎ সুমিৎকা খাইগী মাও থাহুনা চেনবহু কনাদো? কং নত্রা? ধর্ম্মচেয়বা, মীনা কর্তবা তোয়কবন্ধ অকমত তোখা পাণ্ডবশিংনা গন্ধর্ব্বশিংবু জয় তোরগা ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিংবু

সমুদিতবলবাহনাঃ পুনঃ পুরুষবরেণ জিতাঃ স্ম গোগ্রহে।
সগুরুগুরুসুতাঃ সভীষ্মকাঃ কিমু ন জিতঃ স তদা ত্বয়ার্জ্জুনঃ ॥৪০॥
ইদমপরমুপস্থিতং পুনস্তব নিধনায় সুযুদ্ধমদ্য বৈ।
যদি ন রিপুভয়াৎ পলায়সে সমরগতোঽদ্য হতোঽসি সূতজ ॥৪১॥

সঞ্জয় উবাচ।

ইতি বহু পরুষং প্রভাষতি প্রমনসি মদ্রপতৌ রিপুস্তবম্।
ভৃশমতিরুষিতঃ পরন্তপঃ কুরুপৃতনাপতিরাহ মদ্রপম্ ॥৪২॥

কর্ণ উবাচ।

ভবতু ভবতু কিং বিকত্থসে ননু মম তস্য চ যুদ্ধমুদ্যতম্।
যদি স জয়তি মামিহাহবে তত ইদমস্তু সুকত্থিতং তব ॥৪৩॥

সঞ্জয় উবাচ।

এবমস্ত্বিতি মদ্রেশ উক্ত্বা নোত্তরমুক্তবান্। যাহি শল্যেতি চাপ্যেনং কর্ণঃ প্রাহ যুযুৎসয়া ॥৪৪॥
স রথঃ প্রযযৌ শত্রূন্ শ্বেতাশ্বঃ শল্যসারথিঃ। নিঘ্নন্নমিত্রান্ সমরে তমো ঘ্নন্ সবিতা যথা ॥৪৫॥

কনবিখিবদো ঙরাংঙগী রানি, কাউরবরা? ॥৩৯॥ অহুদগী অমুক নথোয়না কনাগী শগোল শাম্না রথ দোলাই পুম্নমক্না লোয়নননা, ভীষ্ম, দ্রোণ অশ্বত্থামানচিংবা য়াওনা মৎস্য দেশদা বিরাটকী শলখোম্ব-মুনবা চংলুইদনা? মতম্ অদুদা ফিজেৎ অয়োনবা শেৎপা অর্জ্জুন মথন্তনা খুৎলায় অচম্বা খরতনা নথোয় থ্বাইবু খা-রাই খঙদনা তাম্নরকপদো কাউরবরা? ঐ হংবু হংথিগে, কর্ণ মতম্ অদুদা নংনা অর্জুনবু কৈদৌনা হাংহৌত্রিবনো? ॥৪০॥ সূতপুত্র! কর্ণ! নংগী পুনশিগী অয়োইবা লাম্লাও অদো ঙসি থুংঙরে। ঙসি লান্দা নহাক্না চেন্নবদি করে, হিংগনি। নত্রগা নংগী পুনশিগী অয়োইবা মুমিৎতু ঙসিনি ॥৪১॥ সঞ্জয়না হায়:—মহারাজ! শল্যনা য়াম্না তপ্পা, ঈশাউ শাউদনা, অকনবা রাহৈনা য়েক্লববু থাগৎলকপসিদা, য়েক্লবহাৎতম্বা, কৌরব সেনাপতি কর্ণনা য়াম্ন শাউনা শল্যদা অসুম্না হায়রকই:—॥৪২॥ কৈ, কৈ, ওক্রে। অর্জ্জুনবু কা হেন্ন থাগৎপদো ঐ তারে। অহুগা মাহ্র অচুম্বা চুম্দবরা হায়বদু খুদক খঙননবা লাম্লাও অদুম্ন খোঙদৌরেদনা। অর্জ্জুননা ঐবু লান্দা জয় হেক্ তৌগবদি অর্জ্জুনবু থাগৎলিবদো অচুম্বনি হায়বা খঙলগনি ॥৪৩॥ সঞ্জয়না হায়:—মহারাজ! শল্যহ্ন "করে মাদুদা তাগে" হায়না খুমগা মথা তানখিদ্রে। কর্ণনা শল্যদা "কাম্নদে, শগোল থৌবিয়ু" অসুম্না হায়রকই ॥৪৪॥ অমুকী খুদা

তত: প্রায়াৎ প্রীতিমান্ বৈ রথেন বৈয়াঘ্রেণ শ্বেতযুক্তেন কর্ণ: ।
স চালোক্য ধ্বজিনীং পাণ্ডবানাং ধনঞ্জয়ং ত্বরয়া পর্য্যপৃচ্ছৎ ।৪৩।
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
কর্ণশল্যসংবাদে ত্রিংশোঽধ্যায়: ।৩০। *

——:*:——

ফুমিংনা অমত্তা পুন্নমক্পু মাগুহনগে হায়না থোরকপগুম্, কৌরব শগোলজিংবা শল্যনা লাখিবি ওইরবা, রাংচাউরবা, রথ অমুদা তোংলুনা কর্ণ অসি য়েক্কা পাণ্ডব লাম্নী মপৈনা চৈথিবা অদোমদা যাত্রা তৌরকই ॥৪৫॥ অমুগী ফুংদা থোইদোক্লা পুকীং মকায়রবা, মথৎই ফুংঙাইরবা কর্ণনা কৈমউর ঈকোয় কোয়শিন্নবা, শগোল অঙৌবনা চিংশিবা রথ অমুদা অমুম্ অমুম্ চৎশিল্লক্লুনা পাণ্ডব লাম্মী মপৈবু উবদা "কদায়নো অর্জ্জুনদে।" হায়না হৌনা লাউরকই ॥৪৬॥

মকম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা "কর্ণ শল্য সংবাদ" গী কুমুরাগুবা অধ্যায় লোইরে ॥*॥

———

শ্রীমহাভারতম্

একত্রিংশোঽধ্যায়ঃ

কুমরামাথোই গুবা অধ্যায়

(কর্ণবু থীনা হায়রকপা)

সঞ্জয় উবাচ।

প্রয়ানেব তত: কর্ণো হর্ষয়ন্ বাহিনীং তব। একৈকং সমরে দৃষ্ট্বা পাণ্ডবং পর্য্যপৃচ্ছত ।১।
যো মমাদ্য মহাত্মানং দর্শয়েচ্ছ্বেতবাহনম্। তস্মৈ দদ্যামভিপ্রেতং ধনং যন্মনসেচ্ছতি ।২।

সঞ্জয়না হায়রকই:— মহারাজ। কর্ণনা মহারাজগী কৌরব লাম্মী পুন্নমক্পু ফুংঙাইহল্লুনা থোকলগা চৎনা চৎনা মী অমমমদা অর্জ্জুনগী মৈকম্ হংলকই ।১। ওসিগী নুমিত্তঃ অর্জ্জুননা চৈথিবা মশকবু তাক্পা অব মতোম্বা মানা পীবু হায়রমতৈ পীগনি ।২।

স চেত্তদ্বিধয়েত তস্মৈ দত্তাবহঃ পুনঃ । খড্গং রত্নপুর্ণং যো মে জয়াজনপ্রয়ম্ ॥৩॥
স চেদ্দ্বিতীয়মেত পুরুষোঽর্জুনদর্শিবান্ । শতং দত্তাং গবাং তস্মৈ নৈত্যাকং কাংস্যদোহনম্ ।
শতং গ্রামবরাংশ্চৈব দত্তামর্জুনদর্শিনে । তথা তস্মৈ পুনর্দত্তাং শ্বেতমশ্বতরীরথম্ ।
কৃষ্ণমঞ্জনকেশীভির্যো মে জয়াজনপ্রয়ম্ ॥৪॥
স চেত্তদ্বিতয়েত পুরুষোঽর্জুনদর্শিবান্ । অন্যং তস্মৈ বরং দত্তাং সৌবর্ণং হস্তিষড়গবাম্
তথাপ্যস্মৈ পুনর্দত্তাং স্ত্রীণাং শতমলঙ্কৃতম্ । শ্যামানাং নিষ্কণ্ঠীনাং গীতবাদ্যবিপশ্চিতাম্ ॥৭॥
স চেত্তদ্বিতয়েত পুরুষোঽর্জুনদর্শিবান্ । তস্মৈ দত্তাং শতং নাগান্, শতং গ্রামান্, শতং রথান্ ॥৮॥
সুবর্ণস্য চ মুখ্যস্য হয়াগ্র্যাণাং শতং শতান্ । ঋদ্ধ্যা গুণৈঃ সুদান্তাংশ্চ ধুর্য্যাবাহান্, সুশিক্ষিতান্ ॥৯॥
(যুগ্মকম্)
তথা সুবর্ণশৃঙ্গীণাং গোধেনূনাং চতুঃশতম্ । দত্তাং তস্মৈ সবৎসানাং যো মে জয়াজনপ্রয়ম্ ॥১০॥

অসিগী সুমিত্তা অর্জ্জুনগী মকমবু, তাকৃপ ওম ঐঙোন্দা
সনানা থম্না হান্নবা, রথ অম পীগনি মঙোন্দা ॥৩॥
অর্জ্জুননা লোক্‌না লৈরিবা, মকম্বু তাকৃপা মঙোন্দা
সজোম্ খোঙ্গলী শম্বী চামা, শেঙ্গেংগী খোম্‌না চামগা পীগনি ॥৪॥
অর্জ্জুনবু উহন্‌বা ঐঙোন্দা থুঙ্গং চাম পীগে মঙোন্দা।
অর্জ্জুনগী লৈকম্ তাকৃভবা, শম্‌জোই মুরবী মথোৎ কাবী
পীগনি শগোল অয়োম্ অমশু, ভৌরব রথ অমসু মঙোন্দা ॥৫॥
অর্জ্জুনগী মকম্ তাকৃভবা, মানবু পাম্মি হায়রবদি
শামু অম সনাতনা শাবা, শম্বী তরুকম্বু পীগে মঙোন্দা ॥৬॥
মসিগী মথক্তা মঙোন্দা, ফুদোংবা সনা কুচু মানবী
লৈতেং পুম্বনা তিল্লবী, থবাক্ কল্লবী শনম্বিক শিবী
অগোঙ্গ ঈশৈ হৈরবী, মুবতী চাবা পীগে খুলক্তা ॥৭॥
অর্জ্জুনবু উহনবা ঐঙোন্দা, পীগনি শোয়দনা মঙোন্দা
শামু চাম খুঙ্গং চাম রথ চাম, সনান্না শাবা শগোল চামা
কিজেৎ লৈতেংনা তিল্লবা, ওল থিকিক্না পুল্লবা
হায়রবা ঈনবা মহৈ হৈরবা, কল্লবা শক্তাও চাদবু মনা ওইনা পীথোকে ॥[illegible]॥

অর্জ্জুনগী মপাউ পুরক্পা, শাগী ওকম্দা কর্ণনা

স চেদ্দত্তিমন্বেত পুরুষোঽর্জুনদর্শিবান্। অশ্বং তস্মৈ বর দদ্যাং শ্বেতানং পঞ্চশতান্ হয়ান্ ॥১১॥
হেমভাণ্ডপরিচ্ছন্নান্ সুমৃষ্টমণিভূষণান্। সুদান্তামপি চৈবান্যং দত্তামষ্টাদশাশ্রয়াম্ ॥১২॥
রথঞ্চ শুভ্রং সৌবর্ণং দদ্যাং তস্মৈ স্বলঙ্কৃতম্। যুক্তং পরমকাম্বোজৈর্যো মে ব্রূয়াদ্ধনঞ্জয়ম্ ॥১৩॥
স চেদ্দত্তিমন্বেত পুরুষোঽর্জুনদর্শিবান্। অন্যং তস্মৈ বর দদ্যাং কুঞ্জরাণাং শতানি ষট্ ॥১৪॥
কাঞ্চনৈর্বিবিধৈর্ভাণ্ডৈঃ সংছন্নান্ হেমমালিনঃ। উৎপন্নানপরান্তেষু বিনীতান্ হস্তিশিক্ষকৈঃ ॥১৫॥
স চেদ্দত্তিমন্বেত পুরুষোঽর্জুনদর্শিবান্। অন্যং তস্মৈ বর দদ্যাং বৈশ্যগ্রামাংশ্চতুর্দশ ॥১৬॥
স্ফীতান্ ধনসংযুক্তান্ প্রত্যাসন্নবনোদকান্। অকুতোভয়ান রাজভোজ্যাংশ্চতুর্দশ ॥১৭॥
দাসীনাং নিষ্ককণ্ঠীনাং মাগধীনাং শতং তথা। প্রত্যগ্রবয়সাং দদ্যাং যো মে ব্রূয়াদ্ধনঞ্জয়ম্ ॥১৮॥
স চেদ্দত্তিমন্বেত পুরুষোঽর্জুনদর্শিবান্। অন্যং তস্মৈ বর দদ্যাং যমসৌ কাময়েৎ স্বয়ম্ ॥১৯॥
পুত্রদারান্ বিহারাংশ্চ যদন্যদ্বিত্তমস্তি মে। তচ্চ তস্মৈ বর দদ্যাং যদযচ্চ মনসেচ্ছতি ॥২০॥
হত্বা চ সহিতৌ কৃষ্ণৌ তয়োর্বিত্তানি সর্বশঃ। তস্মৈ দদ্যামহং যো মে প্রব্রূয়াৎ কেশবার্জুনৌ ॥২১॥

সনাগী মচি পাল্লবা, মচা চেনবী শম্বী চাম
শোয়দনা পীগে রাশক্রী, ময়াম্না সাক্নী ওইসনু ॥১০॥

অর্জ্জুনগী মখোঙ মরি, লৈকম্ তাকপা ঙম্বা অমুগী মকম্‌দা ঙৌরবা শগোল চামক্তা মনা ওইমা খুদক্তা পীগনি ॥১১॥ অসিগী মথক্ত, সনাগী লৈতেংনা কুপ্লবা, মণিমুক্তানা থাম্লবা লৈতেং য়াওরবা হায়রবা ইনবা, মহৈ হৈরবা শগোল তরানিপাল পীগনি ॥১২॥ অর্জ্জুনগী মপাউ পুরকপা, মহাক্না হৌজিকমক্ লৈরিবা মকম্ অদু তাকপা ঙম্বা মীদা, ঙৌরোক্ ঙৌরবা সনাহৎলুবা লৈতেংনা থল্লবা কাম্বোজ লৈবাক্কী শগোলচিংলবা কজরবা রথ অম পীগনি ॥১৩॥ কর্ণ ঐগী ঈকম্‌দা অর্জ্জুনগী লৈকম্ তাক্লবা মী মহাক্ অদুদা শামু চাক্রুক্ পীগনি ॥১৪॥ লৈতেং মথল মথম্না তিল্লবা, সনগি পক্লেং শিল্লবা, ভারতকী নোংচুপ্ থংবা লম্‌দম্‌দা পোক্‌পা, হৈরবা ওবাশিংনা মপুং ফানা তম্বীরবা শামু কয়ামক্লম্ অর্জ্জুনগী লৈকম্ তাকপা নিপা অদুদা হৌজিকমক্ পীগনি ॥১৫॥ অর্জ্জুনগী মশক্ উহনবা ঙম্বা নিপা অদুদা বৈশ্যগী খুঙং তরামখি মনা ওইনা পীগনি ॥১৬॥ পাক্ চাউরবা, ময়লমথুম্ লৈরবা, হৈকোল লৈকোল্লা থল্লবা, অকিবা পোক্লকম্ পোশক্ অমত্ত লৈতবা, মীনা থম্না তারবা, নিংথৌময়ক্লা লৈরম্না মতিকচায়বা, খুঙং অমসু পীগনি ॥১৭॥ কর্ণ ঐগী ইকম্‌দা অর্জ্জুনগী লৈকম্ পীরবা মী মহাক্ অদুদা সনানা শাবা থবাক লৈতেংনা তিল্লবী মথোৎ কায়কপী, মগধ দেশগী মীনাইচুকী চাম্না পীগনি ॥১৮॥ অর্জ্জুনবু তাকপা, মাবু পুখোয়কপা মীশক অদুবা অসি নত্তবা মাদা হেক পাম্বা পোৎ মথৈ মনা ওইনা পীগে ॥১৯॥ অমুক কনি হায়গনি ঐগী হেক লৈজরিবা মচা অমা, অনগুম্ লৌরী ইংথোল পুম অর্জ্জুনবু পুখোয়কপা মীদুদা পীথোকনি। অসি নত্তবা কৃষ্ণ, মহাক্না পাম পুম্বা ঐনা মতোম্না পীগনি ॥২০॥ "কৃষ্ণ অর্জ্জুনগী মকম্ তাকুপা উৎপা

এতা বাচঃ সুবহুশঃ কর্ণ উচ্চারয়ন্ মুধি। নদন্ সাগরমেঘস্য স্বনং শঙ্খমুখম্ ॥২১॥
তা বাচঃ সূতপুত্রস্য তথাযুক্তা নিশম্য চ। দুর্য্যোধনো মহারাজ! সভ্রাতৃঃ প্রত্যনন্দত ॥২২॥
ততো দুন্দুভিনির্ঘোষো মৃদঙ্গানাঞ্চ সর্ব্বশঃ। সিংহনাদঃ সবাদিত্রঃ কুঞ্জরাণাঞ্চ নিস্বনঃ ॥২৩॥
প্রাদুরাসীত্তদা রাজন্! সৈন্যেষু পুরুষর্ষভ!। যোধানাং সম্প্রহৃষ্টানাং তথা সমভবৎ স্বনঃ ॥২৫॥
(যুগ্মকম্)

তথা প্রহৃষ্টে সৈন্যে তু প্লবমানং মহারথম্। বিকত্থমানঞ্চ তদা রাধেয়মরিকর্শনম্।
মদ্ররাজঃ প্রহস্যেদং বচনং প্রত্যভাষত ॥২৬॥

শল্য উবাচ।

মা সূতপুত্র! মানেন সৌবর্ণং হস্তিষড়্গবম্। প্রযচ্ছ পুরুষায়াদ্য দ্রক্ষ্যসি ত্বং ধনঞ্জয়ম্ ॥২৭॥
বাল্যাদিহ ত্বং ত্যজসি বসু বৈশ্রবণো যথা। অযত্নেনৈব রাধেয়! দ্রষ্টাস্যদ্য ধনঞ্জয়ম্ ॥২৮॥
পুরা সৃজসি যচ্চাপি বিত্তং বহু চ মূঢ়বৎ। অপাত্রদানাদ্ যে দোষাস্তান্ মোহান্নাববুধ্যসে ॥২৯॥
যৎ প্রেষয়সে বিত্তং বহু তেন খলু ত্বয়া। শক্যং বহুবিধৈর্যজ্ঞৈর্যষ্টুং সূত! যজস্ব তৈঃ ॥৩০॥

ওহা মী অহুগী মকম্দা, মখোয় অনীবু হাৎলগা মখোয় অনীগীময়ন মথুম্ পুবহু মনা ওইনা পীগে"॥২১॥ কর্ণনা মাহৈশিং অসি লাউয় লাউরদুনা সমুদ্রদগী পোক্পা মখোল হৌরবা তৌরবা মোইবুং পায়থৎলুনা খোংলকই ॥২২॥ মহারাজ! কর্ণগী অসি ওহা নাপলগী চুমদবা রাওাংশিংসি অদি তাবদা দুর্য্যোধননা খোইদোক্না হয়াউখি ॥২৩॥ মহারাজ! অদুগী তুংদা, কৌরব লান্মী তেংলোন মরক্তা পুংশেল যন্ত্রগী মখোয়, সিংহনাদ লাউরকপগী মখোয়, শগোল শামুশিংগী খোংবগী মখোয়না পুরপা অকিবকংনা পুমনিন নিনখয়ে ॥২৪—২৫॥

লমীশিংনা অপুম্বা হয়াউ পুংওাইদুনা লাউনকলবদা মহারথী কনবা কর্ণহু মথাবু থাগৎ-দুনা নোংমদোম্বক্ত পাইবওম্ লান্মী মরক্তা চৎলি। মাহু উবদা নোকদুনা শল্যনা অমুক হায়রকই :—॥২৬॥ শল্যনা হায় :- কর্ণ! সূতপুত্র! মনা মখেল্ অহুক ময়া পীক্ববগী খোইদোক্পা কায়বা লৈতে। অর্জুনগী মকম্ তাকপা মীদা মনাগী শামু শথী তরুক দানতৌবা। মনাগীবা নংঙ্গিদৈদা অর্জুন মরাইনা লাকচরনি, য়াক্নু ॥২৭॥ রাধানন্দন! মহাক অওাং ওইরিভৈগী হৌনা ঈরাবাদনা কুবেরগুম্না সনালুপা লিশিং লিশিং দান তৌদুনা লাকলিবনি, থভিও! অদু ওইরবসু তসিদি দান ইকৌ তৌদ্রি-দৈদা অর্জুনবু উবা ফংগদবা মহাক মতায়বে ॥২৮॥ মরাদৈদা মহাক্না অ্যান ইকা তাদনা পহত্রু য়ায়া দান তৌখি। অদুবু মতীক চাদবা মীদা অমাক তৌথিবনিনা মাহুগী দোষ অদু মহাক্না উবা ফংদ্রি ॥২৯॥ সূত! মহাক্না অর্জুন তাকপা ওবা মীদা লনথুম্ য়ামা থাবতৌবগে হায়রি। অদুগুম্বা থাপনা মাও ওইদবা মানগী দমক লন তাদবা নত্তে। অদুগুম্বা লানা, অদুগুম্বা মরাদনা তৌদনা

যত্র পার্থরথে যত্তং কৃতৌ যোদ্ধাস্তৈরেব তং । ন হি তত্ত্বক সংরব্ধে ক্রোষ্টা সিংহৌ নিপাতিতৌ ॥৩১॥
অপ্রাপ্তিকং পার্থরথে সুহৃদো নহি সন্তি তে । যে ত্বাং নিবারয়ন্ত্যাশু প্রপতন্তং হুতাশনে ॥৩২॥
কার্য্যাকার্য্যং ন জানীষে কালপক্বোঽস্যসংশয়ম্ । বহ্ববদ্ধমকর্ণীয়ং কো হি জিজীবিষুঃ ॥৩৩॥
সমুদ্রতরণং দোর্ভ্যাং কণ্ঠে বদ্ধা যথা শিলাম্ । গিরাগ্রাদ্বা নিপতনং তাদৃক্ তব চিকীর্ষিতম্ ॥৩৪॥
সহিতঃ সর্ব্বযোধৈর্ব্বৈ ব্যূঢ়ানীকৈঃ সুরক্ষিতঃ । ধনঞ্জয়েন যুধ্যস্ব শ্রেয়শ্চেৎ প্রাপ্তুমিচ্ছসি ॥৩৫॥
হিতার্থং ধার্ত্তরাষ্ট্রস্য ব্রবীমি ত্বাং ন হিংসয়া । শ্রদ্ধৎস্বৈবং যথা প্রোক্তং যদি তেঽস্তি জিজীবিষা ॥৩৬॥

কর্ণ উবাচ ।

স্ববাহুবীর্য্যমাশ্রিত্য প্রার্থয়াম্যর্জ্জুনং রণে । ত্বন্তু মিত্রমুখঃ শত্রুর্মাং ভীষয়িতুমিচ্ছসি ॥৩৭॥

দান মতৌনা দাতাবু নয়ক ফাহৌরবনি । নংনা হৌজিক হায়রিবা লললশিং অদুনা যজতোগে হায়বগী দমক তায়রিবনি । কত্তনা থবকী দমক, মীতোপ্পা লেয়গে হায়দুনা তানবা নত্তে ॥৩০॥ অসিগী মথক্তা কৃষ্ণগা অর্জ্জুনগা পুন্নগা হাৎকে হায়নপু থন্নি । কৃষ্ণবু হাৎপা ওয়নবা দানপু তৌগদৌরি । কর্ণনং নশানা থত্তন থত্তনা মৈসুংদা চোংশিনজবে । অসিগুম থবকত থক হোৎনগনু হায়না থাম্জিন বিনবা থাজৈশেংবা মরূপ অমত্তা হৌজিক নংগী লৈত্রে । অসিগুম থবক্ত থৌজিনবা মরূপ শাশিন্নবা য়েরুবমক্ত নংগী অকোয়বদা লৈত্রে । লান্দ লমহুই মচা অমনা নোংশা অনীবু হাৎলি হায়বসি ঐথোয়না থক তায়কত্রি ॥৩১॥ নংনা কৃষ্ণ-অর্জ্জুন কদায়দা লৈথগে হায়না মীতোপ্পা হায়জব সিত্তয়া কনাঅমত্তনা হায়অখিজ্রি । মৈসুংদা চোংশিন্নে হায়বসি নশামা থত্জল্লি ।—কত্তবা থবক অসিদা ঊঙ্গিনবা মীশক নত্তনা নংবু থাম্বিনবা হৌজিক কনা অমত্ত লৈত্রে ॥৩২॥ হৌজিক নহাকী কদায়না তৌপদবা, কদায়না তৌবোইদৌবা হায়বা বিচার নশাদ করিমত্ত য়াওত্রে । মহাক অসি মতম্না মশামথত্ত মুক্কমবা, কেনগচৌবা থজিক্ত ওায়মবা উহৈ অমত্তম্লে । নত্রথদপু কয়বা অপাঙ্বা মীনা অসিগুম তাহৈদবা য়াতাওবু শিরম্দাইদা তাওগদগে ॥৩৩॥ মত্তকশম্দা নুংদুম্ য়াহিন্নগা সমুদ্র লানগে হোৎনবা, চীওথক্কগী কোক্মুং তায়গা হিংগে হোৎনবা অহুওম্বা ওইথোক্তবা অশাবু নংনা তৌমি ॥৩৪॥ কর্ণ । মদল ওইনিংলবদি লাম্মীশিং অসিনা নহাকপু তাক-শেন্নুনা লৈমিঠৈ তাক্ত্রাসিদা নংগী নপাজল অবৈবা ফুদোকত্তুনা অর্জ্জুনগা থেংনবা হোৎনৌ ॥৩৫॥ ঐনা হায়রিবগে নংবু তাবিহনা, নিন্দাতৌহনা হায়বা নত্তে । দুর্য্যোধনগী কামনবগী দবক্ত থাজৌ ॥৩৬॥ কর্ণনা হায়ঃ—ঐনা ঈশা ইবত্তগী পাথোম্গী পাজম্বা থিথাস থমহনা, ঈশাগী শক্তিবু থত্তজহনা অর্জ্জুনগা থেনগে থন্নিবনি । নহাক অসে, শল্য ! য়েংবাদি মরূপ শাশিন্নহনা মথ অমত্তনা তোংনিন্নকনা মতুং মথুলনি ঐগী য়েংবা ওইনি । অসলনম্দা সারথি অমনা রথীগী পুক্নিংগা

ন বাসব্যাবভিপ্রায়াৎ কশ্চিদন্ত নিবর্ত্তয়েৎ।   অশীত্রো শ্রযুত্তয়া কিমু মর্ত্যাঃ কথঞ্চন ॥৩৮॥

সঞ্জয় উবাচ।

ইতি কর্ণস্য বাক্যান্তে শল্য প্রাহোত্তরং বচঃ।   চুকোপয়িষুরত্যর্থং কর্ণং মদ্রেশ্বরঃ পুনঃ ॥৩৯॥

যদা বৈ ত্বাং ফাল্গুনবেগযুক্তা জ্যাচোদিতা হস্তবতা বিসৃষ্টাঃ।
অন্বেতারঃ কঙ্কপত্রাঃ শিতাগ্রাস্তদা তপ্স্যস্যর্জুনস্যাভিযোগাৎ ॥৪০॥
যদা দিব্যং ধনুরাদায় পার্থঃ প্রতাপয়ন্ পৃতনাং সব্যসাচী।
ত্বামর্দ্দয়িষ্যন্নিশিতৈঃ পৃষৎকৈস্তদা পশ্চাত্তপ্স্যসে সূতপুত্র ॥৪১॥
বালশ্চন্দ্রং মাতুরঙ্কে শয়ানো যথা কশ্চিৎ প্রার্থয়তেঽপহর্ত্তুম্।
তদ্বন্মোহাদ্দ্যোতমানং রথস্থং ত্বং প্রার্থয়স্যর্জ্জুনং যেতুমদ্য ॥৪২॥
ত্রিশূলমাশ্রিত্য সুতীক্ষ্ণধারং সর্ব্বাণি গাত্রাণি নিঘর্ষসি ত্বম্।
সুতীক্ষ্ণধারোপমকর্ম্মণা ত্বং যুযুৎসসে যোঽর্জ্জুনেনাদ্য কর্ণ ॥৪৩॥
ক্রুদ্ধং সিংহং কেশরিণং বৃহন্তং বালো মূঢ়ঃ ক্ষুদ্রমৃগস্তরস্বী।
সমাহ্বয়েত্তদ্বদেতত্তবাদ্য সমাহ্বানা সূতপুত্রার্জ্জুনস্য ॥৪৪॥
মা সূতপুত্রাহ্বয় রাজপুত্রং মহাবীর্য্যং কেশরিণং যথৈব।
বনে শৃগালঃ পিশিতস্য তৃপ্তো মা পার্থমাসাদ্য বিনঙ্ক্ষ্যসি ত্বম্ ॥৪৫॥

অকিবা চিংনবা পোক্হল্লি ॥৩৭॥ অদুবু নংগী রাজাত লিশিং লিশিংনা ঐবু লাল অসিদগী হন্দোক্-ক্নবদি থক্ য়ারোই। মথুন্তা বজ্রপায়রবা ইন্দ্র মকসু ঐবু হন্দোক্হনবা কিহনবা ঙম্লোই। কমিন্থ লৈতবা তাইবং মীদি হায়রুগনু ॥৩৮॥ সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ! কর্ণগী বাসি তাবদা শল্যনা কর্ণবু হান্নদগী অমুক্ হেন্ন শাউহনগে হায়রবগী দমক্ অস্তুমা হায়খিঃ—॥৩৯॥ কর্ণ! অর্জ্জুন হায়রবা নিপা অদুনা মথুৎ থুনা কাপশিল্লক্পা, মাগী তেন মপৈ মপৈনা মনম্-মনম্ পাইশিল্লক্পা, সন্ধান তৌবদ নিশানা তৌবদা শোয়রবা লৈতবা অদুগুম্বা অর্জ্জুনগী তেন্না মনম্ মনম্ নংগী হকচাং মনুংদা দুবু না চণ্ডশিল্লকপা মতম্ অদুদা, ঐবু করি সুংদগী অর্জ্জুনবু থিদুনা থাগা য়ান্নাক্-ক্নবনো হায়রদুনা অনুতাপ তৌরকনি ॥৪০॥ সূতপুত্র! পৃথাগী মচানিপা অর্জ্জুননা লাইগী লীক্ল্লু পায়থদুনা মাগী থৌর থৌরবা তেন্না কৌরব লান্মীশিংবু নৈরকপা মতম্ অদুদা নহাক শোয়দনা অনুতাপ তৌরকখিনি ॥৪১॥ কর্ণ! অঙাংনা মমাগী মতম্পাক্ত কপ্পা মথুৎ তিংথোকপুনা থাবু লান্নুথে হোৎনবা অদুগুম্না কর্ণ নহাকসু ওসি তম্হৎখিদুনা অর্জ্জুনবু অয়তোগে হাৎকে হায়না খল্লি ॥৪২॥ কর্ণ! থৌরবা, মচীন তুম্রবা ত্রিশূলগী মতোগুম্বা অর্জ্জুনগা থেংনগে হায়না খল্লি। মাসিদি থৌরবা ত্রিশূলনা নশাদা থিন্দুনা, তকনা শায়গে হায়না থবথক অম্মানি ॥৪৩॥ সূতপুত্র! পঙালবা অঙাংনা অমদি পীক্রবা লমুহই মচা অমনা শাউরবা, মশোং য়াংনা কারবা লোংথাবু থেংনবি লাউ হায়না পীংনদুনা কৌথোকপ অদুগুম্না নংনা অর্জ্জুনবু পীংনদুনা কৌথোকখি ॥৪৪॥ সূতপুত্র!

ঈশানভং মহানাগং প্রভিন্নকরটামুখম্। শশকাহ্বয়সে যুদ্ধে কর্ণ! পার্থং ধনঞ্জয়ম্ ॥৪৬॥
বিলস্থং কৃষ্ণসর্পং ত্বং বাল্যাৎ কাষ্ঠেন বিধ্যসি। মহাবিষং পূর্ণকোপং যৎ পার্থং যোদ্ধুমিচ্ছসি ॥৪৭॥
সিংহং কেশরিণং ক্রুদ্ধমতিক্রম্যাভিনর্দ্দসে। সৃগাল ইব মূঢ়ত্বং নৃসিংহং কর্ণ! পাণ্ডবম্ ॥৪৮॥
সুপর্ণং পতগশ্রেষ্ঠং বৈনতেয়ং তরস্বিনম্। লোপীবাহ্বয়সে যুদ্ধে কর্ণ! পার্থং ধনঞ্জয়ম্ ॥৪৯॥
সর্ব্বাম্ভসাং নিধিং ভীমমূর্ম্মিমন্তং ঝষাকুলম্। চন্দ্রোদয়ে বিবর্দ্ধন্তমপ্লবঃ সন্তিতীর্ষসি ॥৫০॥
ঋষভং তুন্দুভিগ্রীবং তীক্ষ্ণশৃঙ্গং প্রহারিণম্। বৎস! আহ্বয়সে যুদ্ধে কর্ণ! পার্থং ধনঞ্জয়ম্ ॥৫১॥
মহামেঘং মহাঘোরং দর্দ্দুরঃ প্রতিনর্দ্দসি। বাণতোয়প্রদং লোকে নরপর্জ্জন্যমর্জ্জুনম্ ॥৫২॥

মহাবীর অর্জ্জুনবু নচীম্বোংনা কৌথোকপুনু। বনগী মমুংদা শাহিং চাদুনা মবুক থল্লবা লমূহইনা পেন্দহুনা নোংশাবু চাগে হায়দুনা হোচ্চীল্লুবদা উৎ ওইনা মাঙখিবহুগুম নং নশামক্কা অর্জ্জুনগী নাক্ত চঙশিল্লুহুনা নশানথস্তবু তুমহল্লগনু ॥৪৫॥ থেবগুম কর্ণ! খিদ্মোয়কপা ময়া অনীনা লাজল-লাঙ্গলমুক চাউবা চায়রুং অনীদগী অহুগা ময়াদগী হুমাং মরী মরী শিন্নরকপা, মচুম্ তাবা শান্ন লমশাগুম অর্জ্জুনবু নংনা থেবমচা অমগুম্না থক কৌথোকলুনু, শীংনেরুনু ॥৪৬॥ থোইদোক্না শাউরবা, মমীত্ত ঈ কায়বা অর্জ্জুনগা নংনা থেংনগে খল্লি। মাসিদি তেল্লবা চৈ অমনা নত্রগা নখুংনা মখুল্লা থিংজিল্লহুনা মহুপূরবা লিল অমবু কাগে-হাৎকে হায়না হোৎনবতনি ॥৪৭॥ কর্ণ! নংনা তৌরি-ঘসে, তৌববুদি পঙবদগীনি। পঙলবা লম্হইনা মশামথস্তু অশিংবনি থন্দুনা মপোং কুংলবা, শাউরবা নোংশায়োম্‌দা চোংশিন্দুনা ঙংলুব হুগুম্না নংনা ঙংহুনা শাউরবা অর্জ্জুনগী নাক্ত চোংশিন-গদোরি ॥৪৮॥ কর্ণ! বিনতাগী মচা উচেক্ অথোইবা গরুড়গী মনাক্ত লিম্না পাইশিল্লবহুগুম্না নংনা অর্জ্জুনগী মনাক্ত ফাজিল্লুগদোরি ॥৪৯॥ চাউর চাউরবা ঈথল্লা অকিবা কংনা হৌরবা, অকি-বগী মশক্ ওইরবা জল জন্তু কয়াননা থল্লা লৈরবা, অহুগুম্বা ঈশাল্লা থানা থোরকপদা ইপোম হৌরকপা মতমদা ঈপাক্ অহুবু মহাক্না হিমু পোঙমু অমত য়াওদনা নখুত্তনা খোংতুনা লানগে হোৎনরি ॥৫০॥ ঈবুঙো কর্ণ! তুন্দুভি কৌব পুংগী মতং মাল্লবা তাংথক নাইদনা পূম্রবা থৌরীনা মহাক্তী ওইবা; মচী শাংলবা থৌরবা শল্লাবহুগী মতৌগুম্না শাফু কল্লব, পৃথানন্দন অর্জ্জুনবু মংনা লানদা শীংনহুনা ক্কৌথোক্লি ॥৫১॥

কোঙ্গুৎ গুহা মমুংদা, লৈরবা হঙোই মচানা,
নোংমদোক্তক গুল্গা, অকিবগী মশক কংল্লবা
মুখবা নোংগী থুম্‌হৎপা তমদোবা, অর্জ্জুনগী মশক পুথনোক্তমু
শীঙলহুনা খোংহুনা কৌথরি, কর্ণ! মাঙ্গম্ তৌগনু ॥৫২॥

যথা চ বৃষ্ণিঃ শ্বা ব্যাঘ্রং বনগতং ভবেৎ। তথা ত্বং মন্যসে কর্ণ। নরব্যাঘ্রং ধনঞ্জয়ম্ ।৫৩।
সৃগালোঽপি বনে কর্ণ। শশৈঃ পরিবৃতো বসন্। মন্যতে সিংহমাত্মানং যাবৎ সিংহং ন পশ্যতি ।৫৪।
তথা ত্বমপি রাধেয়। সিংহমাত্মানমিচ্ছসি। অপশ্যন্ শত্রুদমনং নরব্যাঘ্রং ধনঞ্জয়ম্ ।৫৫।
ব্যাঘ্রং ত্বং মন্যসেঽত্মানং যাবৎ কৃষ্ণৌ ন পশ্যসি। সমাস্থিতাবেকরথে সূর্য্যাচন্দ্রমসাবিব ।৫৬।
যাবদ্গাণ্ডীবনির্ঘোষং ন শৃণোষি মহাহবে। তাবদেব ত্বয়া কর্ণ। শক্যং বক্তুং যথেচ্ছসি ।৫৭।
রথশব্দধনুঃশব্দৈর্নাদয়ন্তং দিশো দশ। নর্দন্তমিব শার্দ্দূলং দৃষ্ট্বা ক্রোষ্টা ভবিষ্যসি ।৫৮।
নিত্যমেব সৃগালস্ত্বং নিত্যং সিংহো ধনঞ্জয়ঃ। বীরপ্রদ্বেষণান্মূঢ়! তস্মাৎ ক্রোষ্টেব লক্ষ্যসে ।৫৯।
যথাখুঃ স্যাদ্বিড়ালশ্চ শ্বা ব্যাঘ্রশ্চ বলাবলে। যথা সৃগালঃ সিংহশ্চ যথা চ শশকুঞ্জরৌ ।৬০।

হুইনা মপুগী মাঙোন কাচিন্দা, কূন্দুনা লৈরগা জঙোলদা
লৈম্রিবা কৈজাউদা য়েংহুনা, হয় হয়া খোংদগুয়া
কর্ণ নহাকস্থ রথ মনুংদা, লেঙ্দনা অম্রম্ লৈরগা
হয়া হয়া অর্জ্জুনবু, কৌথোক্কনা শীংনেরি। ॥৫৩॥
লমহুইস্থ বনগী মনুংদা, থেবশিংগী মরক্তা কন্দুনা
নোংশানা লাকত্রিব কাওবতা, ওংদুনা নেংশা শাগুম
নশাবু নোংশানি খল্লুরি, অর্জ্জুননা লাকৃত্রি কাওত থলহৌরো ॥৫৪॥

রাধানন্দন। নহাক্না অর্জ্জুনগা উনথেংনদ্রি মথেসি নশাবু নোংশাগুম্ প্রমান তৌহুনা তাওসি। নশাবু নোংশামক্লি হায়না খল্লুরি ॥৫৫॥ কর্ণ। নোংমদোন্ মকোয় অমত্তদা সুমিৎ-থা অনীনা খোক্পগুম্ রথ অমত্তদা তোংমিন্নবা কৃষ্ণ-অর্জ্জুন অনীনা লাকৃত্রিতৈসিদা নশাবু কৈজাও অমগুম্ প্রমাণ তৌহুনা নাপল তৌরি ॥৫৬॥ কর্ণ। লালকম্ অসিদা গাণ্ডীব খীরুংগী মখোল্ তাদ্রি কাওবদা নংনা খোক্পা তাঙ্নিং তাঙ্নীংবহু তাঙ্হৌরো ॥৫৭॥ মখোয়া গাণ্ডীবগী খোঞ্জেলা মায়গৈ হয়া পূম্নিন নিম চঙ্কপা, তংদুনা হোঙ্চিল্লকপা নোংশাগুম্বা অর্জ্জুনবু হেক উবদা নোংশা ওইরম্বা মহাকসে কংহুই অহুম্ ওইপ্রগদবনি ॥৫৮॥ অপঙবা। কর্ণ। নংদি সুমিৎ চুমা পঙখোংত খোংবা লম্হুইনি, অর্জ্জুননা তুমিন তুমিন্ন তৌথোরকপ নোংশানি। মথম্ অহুনা অহক্ য়ায়া অকনবশিং অসিগী মনুংদা অমগমপা শীংনবা য়েংখিনবা পোকহন্দুনা পঙ্খোংত খোঙ্দুনা লম্হুইগুম্ লৈরি ॥৫৯॥ কন্থ-শোনবগী বিষয়দা হৌদোংগা উচিগা খেন্নবগুম্, কৈগা হুই-য়েনগা খেন্নবগুম্, লম্হুইগা নোংশাগা খেন্নবগুম, খেবগা শামুগা খেন্নবগুম, নংগা অর্জ্জুনগা

যথানুরক্তং শত্রুঞ্চ বধ্যা চাপি বিনায়তে। তথা বধদি পার্থঞ্চ প্রধ্যাতোধ্যবকর্ণতিঃ ।১৫

(যুধিষ্ঠির)

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
কর্ণাধক্ষেপকর্ণাধিক্ষেপে একত্রিংশোঽধ্যায়ঃ ।৩। *

——:-০-:——

থৌরৈ। মথোয় অনীগী ভৌথোকুনবকুপা কর্ণদা অমনা বিথ্যা অমবা সজ্য, অমবা ছু অমনা অমৃত। ।৬০—৬১।

মমম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামমা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণ পর্ব্বদা "কর্ণাধক্ষেপন কর্ণাধিক্ষেপ" কী কুনমাথোইগুবা অধ্যায় লোয়রে।

শ্রীমহাভারতম্

দ্বাত্রিংশোঽধ্যায়ঃ।

(কুহ্নিথোইগুবা অধ্যায়)

(কর্ণগা শল্যগা শাউগৎনবকুপা মতাং)

সঞ্জয় উবাচ।

অধিক্ষিপ্তস্তু রাধেয়ঃ শল্যেনামিততেজসা। শল্যমাহ সুসংক্রুদ্ধো বাক্‌শল্যমবধারয়ন্ ।১।

কর্ণ উবাচ।

গুণান্ গুণবতাং শল্য! গুণবান্ বেত্তিনাগুণঃ। ত্বন্তু সর্ব্বৈগুণৈর্হীনঃ কিং জ্ঞাস্যসি গুণাগুণম্ ।২।

সঞ্জয়না হায়ঃ— মহারাজ! তেজ লৈয়বা শল্যনা অমুম্না অকনবা বাহৈনা কর্ণদা শিন্দ্র ভৌথ্রবদা কর্ণসি রাম্বা শাউথিহ্লনা "মহাকুপু শল্য কৌরিবসি শল্য (তাথোল) মকো মথকি হায়হ্লনা কৌথোরে" হায়বসি থম্মুনা অম্বা শাউনা হায়বকই ।১। শল্য! গুণ লৈবা মীগী গুণ লৈব মীগী মথম্ব খঙবসি মূর্খনা গুণ লৈব মীগী মগুণ খঙদহ্লনা কররুমনা মীনা খাঙবসি। মায়নাং গুণ লৈতবা মূর্খ নহাক্তি গুণ কেনম কর্ণগী মগুণশুবি করম্বা খঙগনি ।২।

অর্জ্জুনস্য মহাস্ত্রাণি ক্রোধং বীর্য্যং ধনুঃ শরান্। অহং শল্য! বিজানামি বিক্রমঞ্চ মহাত্মনঃ ॥৩॥
তথা কৃষ্ণস্য মাহাত্ম্যমৃষভস্য মহীক্ষিতাম্। যথাহং শল্য! জানামি ন ত্বং জানাসি তত্তথা ॥৪॥
এবমেবাত্মনো বীর্য্যমহং বীর্য্যঞ্চ পাণ্ডবে। জানন্নেবাহ্বয়ে যুদ্ধে শল্য! নাগ্নিং পতঙ্গবৎ ॥৫॥
অস্তি চায়মিষুঃ শল্য! সুপুঙ্খো রক্তভোজনঃ। একতূণীশয়ঃ পত্রী সুধৌতঃ সমলঙ্কৃতঃ ॥৬॥
শেতে চন্দনচূর্ণেন পূজিতো বহুলাঃ সমাঃ। আহেয়ো বিষবানুগ্রো নরাশ্বদ্বিপসংঘহা ॥৭॥
ঘোররূপো মহারৌদ্রস্তনুত্রাস্থিবিদারণঃ। নির্ভিন্দ্যাং যেন রুষ্টোঽহমপি মেরুং মহাগিরিম্ ॥৮॥
(যুগ্মকম্)
তমহং জাতু নাস্যেয়মন্যস্মিন্ ফাল্গুনাদৃতে। কৃষ্ণাদ্বা দেবকীপুত্রাৎ সত্যঞ্চাত্র শৃণুষ মে ॥৯॥
তেনাহমিষুণা শল্য! বাসুদেবধনঞ্জয়ৌ। যোৎস্যে পরমসংক্রুদ্ধস্তৎ কর্ম্ম সদৃশং মম ॥১০॥

শল্য। কর্ণ ঐ খঙ্দব নত্তে, মহাত্মা ওইরবা ঈচঙ্ থৌরবা অর্জ্জুনগী লৈরিবা ল্যাইমক্তগী খুৎলাই, মহাক্লা শাউদোরকপা, মশাগী পাঙ্গল, লীরুং তেনগী শাফু, মশামক্তী মখিল ঐ লোইনা খঙ্ঙী ॥৩॥ অদুগা শল্য। কর্ণ ঐনা মহাত্মা ওইরব, ক্ষত্রিয় অথোইবা কৃষ্ণগী মগুণ খঙবা অদুপ নংগুম্না খঙব নত্তে ॥৪॥ শল্য। ঐনা কন্না কনবা, অর্জ্জুননা কন্না কনবা হায়বদু মুন্না রাখল বিচার তৌরগা ঐনা অর্জ্জুনবু লানকম্সদা শীংনদ্রুদা কৌথোক্লিবনি। মৈয়াম্বীনা মৈবু কৌথোকপা অদুগুম্না কৌথোকপদি নত্তে ॥৫॥ অদুগা শল্য। তাজো; ম চিন্ কজনা থোনা ছুরবা, ঈ চুম্না ওম্লবা, কল্লবা তেন্দোংনা তুমিন্না লৈরিবা, উরোক্ মতুনা তেন্না তেনবৈ পানবা শৃৎনাক্লবা, লংত্রিক্ লংলবা তেন অসে ঐগী লৈরিবনি খঙ্ঙু ॥৬॥ তেন অসে চহি কয়াদগী তেন্দোং অসিদা, হৈলৈচন্দনচিংবনা পুজাত তৌদুনা লৈরক্লিবনি। লিলগী মতৌওম্লবা, মচিন্দা হু হাপ্লবা, য়েংবদা অকিবগী মশক্ ওইরবা, তৌথোরকপদু অকিবগী মশক্ ওইবা, য়ায়া তম্থিরবা থারবা , লানফুম্বিৎকা লোয়ননা হকচাংলুংগী শরু তারু কাওবা থদত্তুনা পুথোকথিবা ওঙ্গা, কনাগী মী শাম্ব শগোলগী মপৈ মপৈবু থুদক্ত মাংহনবা ওম্ব তেন অসি ঐতোনদ লৈমি হায়বসি নং খংহে। ঐনা শাউরকপা মতম্দা তেন অসিনা সুমেরু চীংজাও কাওবা ককায়হনা লংথোকপা ওম্গনি ॥৭-৮॥ শল্য। ঐ অশেংবা য়া হায়গে তাও। তেন অসে ঐনা দেবকীগী মচা কৃষ্ণদা নত্তপা কুন্তীগী মচা অর্জ্জুনতদা কাপকে হায়দুনা থম্বিদনি। মথোয় অনীগী অমদা মতুনা ঐ তেন অসি কনা অমত্তদা শীজিন্নরোই ॥৯॥ ঐনা য়ায়া কন শাউরক্লবা মতম্দা অনীমক্তা ফুননা তেন অসি পুথোক্তুনা কাপকনি। মরম্দি ঐনা লানকম্ অসিদা তৌগদৌরিবা অমত্ত ওইবা মতিক্ চাবা থবক্দু অসিমত্তনি। অসিগীদমক্ত ঐ লানকম্ অসিদা খোয়কপনি ॥১০॥

শঙ্খকং রুক্মিণীজাগাং কক্ষে লক্ষ্মীঃ প্রতিষ্ঠিতা। সর্বেষাং পাণ্ডুপুত্রাণাং বক্ষঃ পার্শ্বে প্রতিষ্ঠিতঃ।
তাবকং তু সমাসাদ্য কো নিবর্তিতুমর্হতি ॥১১॥
তাবুভৌ পুরুষব্যাঘ্রৌ রথেষ্ঠৌ স্যন্দনে স্থিতৌ। মামেকমভিসংযাতৌ সুজাতং পশ্য শল্য। মে ॥১২॥
পিতৃস্বসামাতুলজৌ ভ্রাতরাবপরাজিতৌ। মণী সূত্র ইব প্রোতৌ দ্রষ্টাসি নিহতৌ ময়া ॥১৩॥
অর্জুনে গাণ্ডিবং কৃষ্ণে চক্রং তার্ক্ষ্যকপী ধ্বজৌ। ভীরূণাং ত্রাসজননং শল্য। হর্ষকরং মম ॥১৪॥
ত্বন্তু দুষ্প্রকৃতির্মূঢ়ো মহাযুদ্ধেষকোবিদঃ। ভয়াবতীর্ণঃ সংত্রাসাদবদ্ধং বহু ভাষসে ॥১৫॥
সংস্তৌষি তৌ তু কেনাপি হেতুনা বং কুদেশজ।। তৌ হত্বা সমরে হন্তা ত্বামদ্য সবান্ধবম্ ॥১৬॥
পাপদেশজ। দুর্বুদ্ধে। ক্ষুদ্র। ক্ষত্রিয়পাংসন।। সুহৃদ্ভূত্বা রিপুঃ কিং মাং কৃষ্ণাভ্যাং ভীষয়ন্নসি ॥১৭॥
তৌ বা মমাদ্য হন্তারৌ হনিষ্যে বাপি তাবহম্। নাহং বিভেমি কৃষ্ণাভ্যাং বিজানন্নাত্মনো বলম্ ॥১৮॥

বৃষ্ণি বংশ, যদু বংশগী ধনসম্পত্তি চাওখৎপা পুম্বা কৃষ্ণগী মথক্ত নন্দুনা লৈরিবনি। পাণ্ডবশিংগী অহু নত্রপা পম্যাঙ্গ অর্জ্জুন মথন্তগী মথক্ত নন্দুনা লৈরিবনি। অদুনা করম্বা মীচম্বা মখোয় অনীগী মম্যাঙ্গদগী লীখোকপা ওনুপদগে ॥১১॥ য়েঙঙু। নিপা অখোইবা অনী অসে ঐঙোন্নোমদা মথাম্ব ভঙক্তি। শল্য। ঐগী করবা, মীনা তানবা কংক্রবা মপোকসে য়েংঙু ॥১২॥ কৃষ্ণগী মনেম কুন্তীনা পোকপা অর্জ্জুনগা, অর্জ্জুনগী মাতুল বসুদেবনা পোকপা কৃষ্ণগা মচীনমনাও অনী অসিনা মথ অমতদা তোংমিন্নদুনা, লংজা অমতদা লেংশিনবা মণি অনীগুম্বা ঈবং লংনা ঐঙোন্নোমদা ডঙশিনকৃদি। অদুবু শল্য। ঐ মখোয় অনীসিবু হাৎলবনি হায়না খঙঙু ॥১৩॥ শল্য। অর্জ্জুনগী গাণ্ডীব লীক্লং, য়োংতোংবা ফিরাল, অদুগা কৃষ্ণগী সুদর্শন চক্র গরুড় তোংবা ফিরাল হায়রিবশিং অসিনা নংঙম্বা কিগনবা মীকিথিদদি অকিবগী মশক ওইরম্ব য়াই, অদুবু কর্ণগুম্বগী থম্মোয়দদি পোক্পবা নুংঙাইব পীরি। ঈচঙ থৌবা হেনগৎহল্লি ॥১৪॥ নংদি নবুকচেল কব্বা, নংগী মীচঙদা য়েক্সবনু খাগৎপা, মহামূর্খ, লাল্গী ভত্ত্ খঙদবা, কিবনা থম্মোয় মিহুল পুম্বা নীক নীক লাউরবা মীনি। অদুমকনা অসিগুবা লালগা মমী করিমত লৈনদবা য়া মক্ত চবেঙ চবেঙ ডাঙবা শারি ॥১৫॥ হৈঃ কদ্রবা। পাপ্ চেন্নবা লম্দা পোকপা। নংনা মরম্ ঈরৈ লৈতনা ঐগী য়াঙ্দা কৃষ্ণ অদুবু থাগদ্‌না শারি। অসৌ হৈঃ। মখোয় অনীসিবু হাৎলগা ঐনা ওসি নংগী নথরাইগু লৌথিরনি ॥১৬॥ পাপ্‌ন থজবা লৈবাক পোক্পা। পূক্‌চেল পীকপা। তীল। তোন্নবা ক্ষত্রিয়। মরূপ শাশিনদুনা কথ অমতদা তোংমিন্নদুনা ঐতোন্দ য়েরবগুম্বা য়েরব কৃষ্ণ অর্জ্জুনগী মগুণ্ মরুমা সারথি নংনা কদ্দী ঐগী থম্মোয়দা অকিবা থিনাইবা পোকহনগদবগী হোৎনরি ॥১৭॥ ওদিদি ঐনা মখোয় অনীসিবু হাৎপা নত্রগা ঐবু মখোয় অনীসিনা ওত্রগা হাঙ্কথিবা খঙলব্রা? মখোয় অনীসিনা হাৎপনা হায়লকপদি মংবুদি ঐনা হাৎহৌজবা তাবে। মসিগীদমক্তি য়াম; অদুমা মথা তানু, তুমিন লৈজৌ ॥১৮॥ কৃষ্ণ অর্জ্জুনবু অনীমক্তি হায়রগনু; কৃষ্ণ লিশিং লিশিং অর্জ্জুন লিশিং লিশিং তোংথোকপনু

বাসুদেবসহস্রং বা ফাল্গুনানাং শতানি বা। অহমেকো হনিষ্যামি জোষমাস্স্ব কুদেশজ ॥১৯॥
স্ত্রিয়ো বালাশ্চ বৃদ্ধাশ্চ প্রায়ঃ ক্রীড়াগতা জনাঃ। যা গাথাঃ সম্প্রগায়ন্তি কুর্বন্তোঽধ্যয়নং যথা ॥২০॥
তা গাথাঃ শৃণু মে শল্য। মদ্রকেষু দুরাত্মসু। ব্রাহ্মণৈঃ কথিতাঃ পূর্বং যথাবদ্রাজসন্নিধৌ ॥২১॥
(যুগ্মকম্)

শ্রুত্বা চৈকমনা মূঢ়। ক্ষম বা ব্রূহি চোত্তরম্। মিত্রধ্রুঙ্, মদ্রকো নিত্যং যো নো দ্বেষ্টি স মদ্রকঃ ॥২২॥
মদ্রকে সঙ্গতং নাস্তি ক্ষুদ্রবাক্যে নরাধমে। দুরাত্মা মদ্রকো নিত্যং নিত্যমানৃতিকোঽনৃজুঃ ॥২৩॥
যাবদন্তং হি দৌরাত্ম্যং মদ্রকেষ্বিতি নঃ শ্রুতম্। পিতা পুত্রশ্চ মাতা চ শ্বশ্রূশ্বশুরমাতুলাঃ ॥২৪॥
জামাতা দুহিতা ভ্রাতা নপ্তা তে তে চ বান্ধবাঃ। বয়স্যাভ্যাগতাশ্চান্যে দাসীদাসঞ্চ সঙ্গতম্ ॥২৫॥
পুংভির্বিমিশ্রা নার্য্যশ্চ জ্ঞাতাজ্ঞাতাঃ স্বয়েচ্ছয়া। যেষাং গৃহেষু শিষ্টানাং সক্তুমৎস্যাশিনাং তথা ॥২৬॥
পীত্বা সীধু সগোমাংসং ক্রন্দন্তি চ হসন্তি চ। গায়ন্তি চাপ্যবদ্ধানি প্রবর্ত্তন্তে চ কামতঃ ॥২৭॥
(কলাপকম্)

কর্ণ ঐ ইথত্তনা হাৎকনি। কল্লবা তোল্লব লম্‌দা পোকপা! তোল্লবা! তুমিন লৈয়ু ॥১৯॥ শল্য মুপী অত্তাং, অহল লমনশিংনা তম্মুবত্তম শরুখিবা শৈরেং শৈশকৃশিং অদো অদুগা ব্রাহ্মণশিংনা মমাঙৈদা নিংথৌগী মমাঙদা শকৃখি ওাওখিবা, মদ্রদেশগী মবুকচেল কল্লবশিং অহুগী শৈরেং শৈশকশিং অদু অমুক্ত তাজো ॥২০-২১॥ অপঙবা! পূক্নিং চঙনা পুম্মকসি তাজরগা তুমিন লৈয় নত্রগা পাউখুম্ পীয়। মরম্ ঈরৈ লৈতনা ঐথোয়গী য়েক্লবা ওইখিব, ঐথোয়বু য়েংথিখিবা মদ্রদলৈব মী নং অদুগা লৈরম্বা মদ্রদেশগী মীশিংদো মহৌশানা মমাপোকচৈগী মিত্রদ্রোহী বিশ্বাসঘাতক ওইবনি ॥২২॥

রাত্তাও খোন্দা থীরবা, মবুক্‌চেল পীক্লবা মদ্রকশিংগা
কনাস্থ মরূপ শায়নীঙদে, মদ্রকশিংদি মহৌশানা কত্তনি
[illegible] ওাত্তিও পুকচেল কত্তে, মহৌশানা পুকচেল খোয়বনি
মদ্রদ লৈব মীশিংদি, শেঙ থোকত্রবা ওাক্তনি ॥২৩॥

শল্য! ঐথোয়না কম্মি অমুক্ তাবগে হায়ববুঃ—মদ্রদেশ (মাদ্রাজ)দা লৈবশিংগী মবুকচেল কত্তবশিংদি শিত্রিকাওবা চাম্‌দ্রনা কোক্লমোইদোবনি। ঈশিং তোৎপা মামূপা শমূপা মায়দ্রনা চায়। হৌনব থওগ্রব, অসভ্য ওইরবা মদ্রকশিংগীদি য়ুম্ অমদা পুরূপ লৈমিন্নমিবা মমা মপা, মনেম, মতু, মাম, মন্দাক, মবুং মৌপ্‌আ, মচল মচে, মচা মশু, মিনায় নিপা মুপী, লমদগী পুংলবা মী মথোয় অশিনা ঈমুং অদুদা পুরূপা মানা মানা থোকপা অত্যাচার ব্যভিচার তৌনদ্রনা শমবা থোৎনবা য়াব য়াবনি হায়বগী বিচার কবিমত তৌনদনা, লমলকী শা-ত্তাদোনা ঈকায়বা থওদনা অমগমগ চায়োব্ মৌরোল্লৈ। অদুগা য়ু ত্তপত্তামথৈ থকচিল্লগা কপমিয়ৈ, য়াক য়াক নোকমিয়ৈ, মথোও মরম্ থত্তবা ঈশৈ শাক্লৈ অদুগা অহুম তৌনা তৌনা নিপাগা মুপীগা ঈকায়বা থকনদনা মথি মরোল্ মকম থত্তনদনা তিত্তৈ

কামপ্রলাপিনোঽত্যন্তং তেষু ধর্মঃ কথং ভবেৎ। মদ্রকেষ্ববলিপ্তেষু প্রখ্যাতাশুভকর্মসু ॥২৮॥
নাপি বৈরং ন সৌহার্দং মদ্রকেণ সমাচরেৎ। মদ্রকে সঙ্গতং নাস্তি মদ্রকো হি সদামলঃ ॥২৯॥
মদ্রকেষু চ সংসৃষ্টং শৌচং গান্ধারকেষু চ। রাজযাজকযাজ্যে চ নষ্টং দত্তং হবির্ভবেৎ ॥৩০॥
শূদ্রসংস্কারকো বিপ্রো যথা যাতি পরাভবম্। যথা ব্রহ্মদ্বিষো নিত্যং গচ্ছন্তীহ পরাভবম্ ॥৩১॥
তথৈব সঙ্গতং কৃত্বা নরঃ পততি মদ্রকৈঃ। মদ্রকে সঙ্গতং নাস্তি হতং বৃশ্চিক। তে বিষম্ ॥৩২॥
আথর্বণেন মন্ত্রেণ যথা শান্তিঃ কৃতা ময়া। ইতি বৃশ্চিকদষ্টস্য বিষবেগহতস্য চ ॥৩৩॥
কুর্বন্তি ভেষজং প্রাজ্ঞাঃ সত্যং তচ্চাপি দৃশ্যতে। এবং বিদ্বান্ জোষমাস্স্ব শৃণু চাত্রোত্তরং বচঃ ॥৩৪॥
(কুলকম্)

বাসাংস্যুৎসৃজ্য নৃত্যন্তি স্ত্রিয়ো যা মদ্যমোহিতাঃ। মৈথুনেঽসংযতাশ্চাপি যথাকামচরাশ্চ তাঃ ॥৩৫॥
তাসাং পুত্রঃ কথং ধর্মং মদ্রকো বক্তুমর্হতি। যাস্তিষ্ঠন্ত্যঃ প্রমেহন্তি যথৈবোষ্ট্র-দশেরকাঃ ॥৩৬॥

খোৎনৈ ॥২৪-২৭॥ অস্নুম তৌনতৌনা ওহ্নোক ওহ্নোক্পা, তাংদা ঈকায়বা-হজোইবা পোকপা, অকায় বারী ওাক্ত শানৈ। অদুগুম মদ্রদেশগী পাপী ওইরবা, শাওাগী লম্চৎ চৎপা মীশিংদুনদি ধর্ম-অধর্মগী কার বিচার তৌগনি ? ॥২৮॥ মীনা হায়নৈ :—মদ্রদেশগী মীগা মরূপস্থ শানরোইদৌ-বনি, য়েক্লবস্থ ওইরোইদৌবনি। মরমদি মদ্রদেশগী মীগা তিন্নরুবা হায়বসিমক্তু হেক্ত মকত্রবনি মরমদি মদ্রদেশগী মী খুদিংমক্ পাপীমক্তনি ॥২৯॥ মদ্রদেশদা লৈবা মীগী মনাক্ত থম্‌বা লোৎলুবা শেল, গান্ধার (কান্দাহার) দেশগী মীগী অশেংবা (পবিত্রতা) নি হায়রিবা, ক্ষত্রিয়না মশানা হোম তৌরগা ব্রাহ্মণদা কৎপা ঘী-চেঙ্, পূম্নমক অসি শূকান কায়ত্রবনি, মাঙজরবনি। অদুগা শূদ্রদা যজমান ওইবা শূদ্রগী পুরোহিত ওইবা ব্রাহ্মণস্থ অমদি বেদবু নিন্দা তৌবা মীগা তিন্নরু-ব্রবদি পাপ পুবা, মাংব অদুগুম্না মদ্রদেশগী মীগা কন্মিনচামিন্নরুরবদি মী মহাক অদো পতিত ওইরে, মাংলে। মদ্রদেশগী মীগা চান্নরুবা-মুংশিনরুবস্থ অরেম্বনি, অদুনা ঐদি মদ্রদেশগী মীগা কন্মিনচামিন্নরুরবদি অথর্ববেদগী মন্ত্রনা শান্তি পাঠ তৌদুনা হেক্ হেক্ শেংদোক্চে। বৃশ্চিকনচিংবা হুপুবা জীবনা চীকপদগী নায়বা মীশিং অদুবু হুগী বিস্তা হৈবা মাইবনা "হে বৃশ্চিক। নংগী হু ক মন্ত্রবনিদো।" অসিনচিংবা হায়দুনা মন্ত্র শোন্দুনা লাইয়েংবদুগুম্না মদ্রদেশগী মীগা বারী কাতাই শামিন্নরুরবা মীনা মন্ত্রদা চৎলগা অথর্ববেদগী মন্ত্রনা মশাবু হেক্ হেক্ শেংদোক্চে। অদুগা মাহুক তৌরমদি কানস্থ কায়ে। অদুনা শল্য। পূম্নমক্ অসি খল্লগা নথস্ত ইকায়জদুনা ভুমিল্ লৈয়। অদুগা নংমা ঐহোন্দা হাংঙ্গিশিংদুগী পাউথুম্ অতৈস্থ তাজো ॥৩০-৩৪॥

মদ্রদেশগী নুপীনহাতি য়ু থক্চিল্লগা মকিমরোল মকম্ থস্তদনা জগোই শাই। অকংঅকংবা নিপানহাগা শন্নবদা হন্নেংদে। ঈকায়বা লৈতনা নিপাশিংগা পেনবা নাইদনা শয়ে-খোৎনৈ ॥৩৫॥ নুপীশিংনা, উট অমদি গাধাগী মরুতোগুম্না কে.ঙ্ক কেপ মপান্ খোকই। মখোয়দুগুবীগী মচাশিংদা

তাসাং বিমুক্তধর্মাণাং নির্লজ্জানাং ততস্ততঃ। ত্বং পুত্রস্তাদৃশীনাং হি ধর্মং মদ্রক বক্তুমিচ্ছসি ॥৩৭॥
সুবীরকং যাচমানা মদ্রিকা কর্ষতি স্ফিচৌ। অদাতুকামা বচনমিদং বদতি দারুণম্ ॥৩৮॥
মা মাং সুবীরকং কশ্চিদ্যাচতাং দয়িতং মম। পুত্রং দদ্যাং প্রতিপদং ন তু দদ্যাং সুবীরকম্ ॥৩৯॥
গৌর্য্যো বৃহত্যো নির্হ্রীকা মদ্রিকাঃ কম্বলাবৃতাঃ। ঘস্মরা নষ্টশৌচাশ্চ প্রায় ইত্যনুশুশ্রুম ॥৪০॥
এবমাদি ময়ান্যৈর্বা শক্যং বক্তুং ভবেদ্বহু। আকেশাগ্রান্নখাগ্রাচ্চ বক্তব্যেষু কুবর্ত্মসু ॥৪১॥
মদ্রকাঃ সিন্ধুসৌবীরা ধর্মং বিদ্যুঃ কথং ত্বিহ। পাপদেশোদ্ভবা ম্লেচ্ছা ধর্মাণামবিচক্ষণাঃ ॥৪২॥
এষ মুখ্যতমো ধর্মঃ ক্ষত্রিয়স্যেতি নঃ শ্রুতম্। যদাজৌ নিহতঃ শেতে সদ্ভিঃ সমভিপূজিতঃ ॥৪৩॥
আয়ুধানাং সম্পরায়ে যন্মুচ্যেয়মহং ততঃ। ন মে স প্রথমঃ কল্পো নিধনে স্বর্গমিচ্ছতঃ ॥৪৪॥
সোঽহং প্রিয়ঃ সখা চাস্মি ধার্তরাষ্ট্রস্য ধীমতঃ। তদর্থে হি মম প্রাণা যচ্চ মে বিদ্যতে বসু ॥৪৫॥
ব্যক্তং ত্বমপ্যুপহিতঃ পাণ্ডবৈঃ পাপদেশজ। যথা হ্যমিত্রবৎ সর্বং ত্বমস্মাসু প্রবর্তসে ॥৪৬॥

ধর্ম্ম খঙলদবা, হায়শ হৌনৈ হৌনদে হায়বগী মিচাম লৈপদবসি কদায়দগীনো ? ॥৩৬॥ শল্য ! ধর্মদা ভ্রষ্ট ওইরবা, ঈকায়খনাইদবা শাশলগী মমচৎ চৎপী অমুনা পোক্পা মচা নংগুমবা ধর্মগী বানি হায়দুনা তাগবা শাদি ॥৩৭॥ কনাগুম অমনা মু নিয়রবদি মদ্রদেশগী মুপীনা মাগী নীংজোল অসীদু মথুৎনা পায়দুনা তকই চিংখোকই। মু অদু লৈনা-লৈনা পীনীঙদদুনা অসুম্না হায় :—॥৩৮॥ "কনাগুম অমত্তনা ঐগোন্দগী মু নিয়বা য়ারোই। মসমদি মুদি ঐগা থাববা য়াদনা তিন্নবা মুংশিঙবা পোশক অমদি। ঈচা পীমু পীগনি, ঈবা পীমু, পীখোকনি, নিপাগী মিপা তাকনি, মুমদি পীব ঙমজরোই" ॥৩৯॥ শল্য ! ঐখোয়না অসুম্ হায়না তায় :—মদ্রদেশগী মুপীশিংদি ঙৌই, মরেপ য়াংভি, ঈকায়ব খঙদে, চাউরবা থাববা মশাদু কূপশিন্নুনা লৈ, য়াম্ন চাগল থকই, তন্ন তরেন্দে ঈমাংত মাংবগী অবস্থা লৈ হায়রৈ ॥৪০॥ লয়াই লেন্‌গী মশমদগী মখোঙ-মুদোল কাওবা তিন্না তৌননীঙায় ওইবা হকচাং কয়াংমক পাঙি হায়রৈ। অদুনা, করম কাওরবা মদ্রদেশগী মসমদা ঐত নত্তমা মী পূয়মক লোইনা তেন খঙলরবনি ॥৪১॥ মদ্রদেশগী, সিন্ধুদেশগী, সৌবীরদেশগী মীশিং অসিদি পাপনথরবা দেশদা পোকপমকনি, ম্লেচ্ছমকনি, ধর্ম্মাধর্ম করিমত খঙদবনি। অদুনদি দেশশিং অসিগী মীনা ধর্ম্ম খঙলবসি কদায়দনো ? ॥৪২॥ ঐখোয়না অসুম্ন তায় :—অকনবা ওইগে ওইদু, অশোনবা ওইগে ওইসনু য়েকনা। যুদ্ধবহুগী বাখোকনা লান্‌থ্যদা য়েকথনু হাংলারবনু, য়েকথনী মপুক্তা থাইবা থাগৎনবুনা লান্‌থ্যদা থনাই থাবতবা ক্ষত্রিয়গীদি অশোইবা ধর্ম্মনি ॥৪৩॥ শল্য। অকন্বা কর্ণ ঐগী পুনশিগী য়াপতি ঈবারবা অকৎবগী মপুক্তা থনাই থাবা অসিনি। কদিনা, ঐ, শিবব মুদা স্বর্গ কংদিংতি ॥৪৪॥ শল্য ! ঐকে শিংলবা অমবা দুর্য্যোধনগী চাযবা মরূপ অমনি। অদুনা অকব থাজব, অমক থমবে, ঐগী থবাই হদ্মাং লদ্‌নু পূয়মক দুর্য্যোধন মাগীমক থাবোকতোবিগনি ॥৪৫॥ পাণ্ডবশিংগী মেথা লোকথা

কামং ন খলু শক্যোঽহং ত্বদ্বিধানাং প্রতীক্ষিতুম্ । সংগ্রামাদ্বিমুখঃ কর্ত্তুং কদ্রূ ইব নাস্তিকৈঃ ।৪৬।
গান্ধ ইব ধর্ম্মার্থঃ কামং ক্ষিপ তদ্ব ত্বং । নহি ভীষয়িতুং শক্যঃ ক্ষত্রধর্ম্মে ব্যবস্থিতঃ ।৪৭।
অনুভ্যানাং ঋষিংহানামাহবেষ্বনিবর্ত্তিনাম্ । যা গতিস্তত্ত্বং প্রোক্তা পুরা রামেণ তাং স্মর ।৪৮।
তেষাং ত্রাণার্থমুদ্যুক্তং বধার্থং দ্বিষতামপি । বিদ্ধি মামাস্থিতং বৃত্তং পৌরূরবসমুত্তমম্ ।৪৯।
ন তদ্ভূতং প্রপশ্যামি ত্রিষু লোকেষু মদ্রপ ।। যো মামস্মাদভিপ্রায়াদ্বারয়েদিতি মে মতিঃ ।৫০।
এবং বিদ্বান্ তোষমাণস্য ত্রাসাৎ কিং বহু ভাষসে । মা ত্বাং হত্বা প্রদাস্যামি ক্রব্যাদ্ভ্যো মদ্রকাধম ।৫১।
মিত্রপ্রতীক্ষয়া শল্য । ধার্ত্তরাষ্ট্রস্য চোভয়োঃ । অপবাদতিতিক্ষাভিস্ত্রিভিরেতৈর্হি জীবসি ।৫২।

শল্য । নংসে যুদ্ধ থক্তিও, নকুল সহদেবমকী মমাগা হেক্ পোক্মিরবা মাকুলনি । নং পাণ্ডব পক্ষগী মীনি । অদুনা কৌরবপক্ষগী অচেৎ অকোম্ য়েংননবা ওওচেন ওইনা পাণ্ডবশিংনা কৌরব লাম্মী মরুক্তা লোয়া থারকপনি হায়বা তশেংনা খওলে । লাসূকমৃদযু মাগী মীচওদা য়েক্লবগী মঙণ থাগৎপা হৌমত্রা ? করম্বা যুদ্ধনীতিদা য়াওই ? ।৪৬। অদুযু নংনা খাগচে হায়দুমক্তার নাস্তিকশিংনা তর্কবিতর্ক কয়ানা আস্তিকশিংদু মথোয়গী ধর্ম্মদগী মথার ওলহন্বা ওমূদবদুওরা শল্য নংগী শল্য (তাশোল্) ওবা য়াহৈশিং অসিনা কর্ণগী সংকল্পবু থুগাইবদি য়াবোই ।৪৭। অহুমা নংনা কালেহাগী ঈথৌলাংলবা শক্তীগী মত্তৌওমা লগা অম কণ্ঠনা হায়গে হায়ব্জো, নখোয়গী চয়ম্ কংগে কংও, ক্ষত্রিয়গী ধর্ম্মদা লেওদনা লৈথবা নিপা অমগী থম্মোয়দা অকিবা মিপাইবা পোক্হন্বা থক্ য়ায়োই ।৪৮। মমাঙৈদা ঐগী গুরুদেব পরশুরামনা ঐগোন্দা তাক্পিখিবা লালকম্‌দা নীওহন্দনা থরাই থাখিবা ক্ষত্রিয়শিংনা কংগদবা খুওম্শিং অদো, ঐ হৌজিক নীওশিং-লক্লি ।৪৯। শল্য ! নং অসিমদি খওজিন্দুনা থম্মু, ঐ অসে কৌরব লাম্মীশিংবু ভাক্লনবা য়েক্লব-শিংবু তুম্না হাৎননবা শেমশাদুনা লৈরিবনি । পুরুরবঃ কৌবা নিংথৌদুনা চৎখিবা লম্বীদো, অদুদনি ঐনা চৎকদৌরিবসিস্থ ।৫০। মদ্রপতি ! শল্য ! মসিমক্ খওজিন্দুনা থম্মু, কর্ণ ঐনা তোগেনীওখিবা থবক্তগী ঈমায় লৈখোক্হন্বা ওমগদবা মীসি মরোল অহম্‌দা পোক্ত্রি । মাসি ঐ থাজৈশেংনা ঈশামম্ থওজহমা থম্রবনি ।৫১। তোল্লবা মদ্রক ! মথা তান্নু, তুখিম্ লৈয়ু ! লশানা নপাক পাওদহুনা কিরগা নংগী অকিবগী য়াহৈ অদুনা কিবা হৈত্রবা মীগী থম্মোয়দা অকিবা পোক্হন্‌গে হায়দুনা অবেধদা কৈদৌনা হোৎনরি ? "মথা তানা য়ায় ওাৎ্লবদি শল্য ঐগী ঈশাসি কর্ণনা খুদক লাওজা লমহইগী মচীক্লাক্ ওইহন্‌খিব তারে" হায়না খওজহনা য়াবান্ ভাওলগনু ।৫২। শল্য ! নং অসে, তৌশিন্নবনু হৌজিমক্তি দুর্য্যোধনগী মরূপ মীচও শাহুনা লৈরি । অদুনা, নংবু হৌজিকমক্ হাত্তোক্লবদি ঐগীদু দুর্য্যোধনগীদু অনীমক্তা লোকনিন্দা অব লাওনি । অদুগুবী থবোয়দা মীগী অমারবদু ভাক্পিদৌ হায়বা থোৎলকা ওব অমহু মবৈবনি ।

পুনশ্চৈবাদ্ভুতং বাক্যং মদ্ররাজ ! যদিচ্ছসি । শিরস্তে পোথয়িষ্যামি গদয়া বজ্রকল্পয়া ॥৫৩॥
শ্রোতারস্ত্বিদমদ্যেহ দ্রষ্টারো বা কুরেশ্বর ! । কর্ণং বা জঘ্নতুঃ কৃষ্ণৌ কর্ণো বা নিজঘান তৌ ॥৫৫॥
এবমুক্ত্বা তু রাধেয়ঃ পুনরেব বিশাংপতে ! । অব্রবীন্মদ্ররাজানং যাহি যাহীত্যসম্ভ্রমম্ ॥৫৬॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
কর্ণশল্যসংবাদে দ্বাত্রিংশোঽধ্যায়ঃ ॥৩॥ *

——:•:——

অঙ্গুমত্তনা কর্ণগী মাঙদা মংনা হৌজিক্ কাওবা হিংদুনা লৈবা ওম্লিবনি ॥৫৩॥ "মদ্ররাজ ! নংনা হৌজিক্ হায়প্রিবা য়াশিংদো অমুক্তা নচীন্দুদা পল্লকৃলবদি অর্জ্জুন হাত্রিঙ্ক্তদা বজ্রগা মান্নবা গদাসিনা মকোক্ অদো মকুপ মকুপ তানা থুগাইগদবনি" ॥৫৪॥ "কয়ে অঙ্গমঙারয়ে ; কঞ্জবা অমদা পোক্লবা শল্য ! ওসিগী মুমিৎত মী পুম্নমক্না তাগদৌমরৈয়ে কৃষ্ণ-অর্জ্জুননা কর্ণবু হাৎখিবরা নত্রগা কর্ণনা কৃষ্ণ-অর্জ্জুনবু হাৎখিবরা হায়বত্ম" ॥৫৫॥ মহারাজ ! অসুম্না কর্ণনা থীনা হায়রগা কর্ণনা অমুক্ তপথনা শল্যদা "রথ খৌ, চত্ত্রম্ চৎলু" অসুম্না অমুক্ হায়খি ॥৫৬॥

মকম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণ পর্ব্বদা "কর্ণশল্য সংবাদ" গী কুন্থ্রানিথোইগুবা অধ্যায় লোইরে ॥*॥

——

শ্রীমহাভারতম্

ত্রয়স্ত্রিংশোঽধ্যায়ঃ ।

কুন্থ্রাহুমদোইগুবা অধ্যায়ঃ
(ভানুকাংগী রারী মশা)

——:*:——

সঞ্জয় উবাচ ।

মারিষাধিরথেঃ শ্রুত্বা বাচো যুদ্ধাভিনন্দিনঃ । শল্যোঽব্রবীৎ পুনঃ কর্ণং নিদর্শনমুদাহরন্ ॥১॥
জাতোঽহং যজ্বনাং বংশে সংগ্রামেষ্বনিবর্ত্তিনাম্ । রাজ্ঞাং মূর্দ্ধাভিষিক্তানাং স্বয়ং ধর্ম্মপরায়ণঃ ॥২॥

সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ ! লাল শোক্নগে থব্রবা, লান্দ মুংভাইজবা কর্ণগী অরাক্পা য়াশিং অসি তাবদা শল্য থুদম-রারী উত্না কর্ণদা অমুক হায়খি ॥১॥ বিধি কান্নদনা যজ্ঞদান তৌগবা, লানকমদা নীঙহল্লদবা, মকোক বেকমত্রগা লোকননা অভিষেক তৌগবা, কদাল তোংব

যথৈব মত্তো মদ্যেন ত্বং তথা ন যদাপি বা । তথাপি ত্বাং প্রমাদ্যন্তং চিকিৎসেয়ং সুহৃত্তয়া ॥১॥
ইমাং কাকোপমাং কর্ণ ! প্রোচ্যমানাং নিবোধ মে । শ্রুত্বা যথেষ্টং কুর্য্যাস্ত্বং নিহীনকুলপাংসন ! ॥২॥
নাহমাত্মনি কিঞ্চিদ্বৈ কিল্বিষং কর্ণ ! সংস্মরে । যেন মাং ত্বং মহাবাহো ! হন্তুমিচ্ছস্যনাগসম্ ॥৩॥
অবশ্যন্তু ময়া বাচ্যং বুধ্যতা হিতাহিতম্ । বিশেষতো রথস্থেন রাজ্ঞশ্চৈব হিতৈষিণা ॥৪॥
সমঞ্চ বিষমঞ্চৈব রথিনশ্চ বলাবলম্ । শ্রমঃ খেদশ্চ সততং হয়ানাং রথিনাং সহ ॥৫॥
আয়ুধস্য পরিজ্ঞানং রুতঞ্চ মৃগপক্ষিণাম্ । ভারশ্চাপ্যতিভারশ্চ শল্যানাঞ্চ প্রতিক্রিয়া ॥৬॥
অস্ত্রযোগশ্চ যুদ্ধঞ্চ নিমিত্তানি তথৈব চ । সর্বমেতন্ময়া জ্ঞেয়ং রথস্যাস্য কুটুম্বিনা ।
অতস্ত্বাং কথয়ে কর্ণ ! নিদর্শনমিদং পুনঃ ॥৯॥ (বিশেষকম্)
বৈশ্যঃ কিল সমুদ্রান্তে প্রভূতধনধান্যবান্ । যজ্বা দানপতিঃ ক্ষান্তঃ স্বকর্মস্থোঽভবচ্ছুচিঃ ॥১০॥

নিংথৌগী মচানি ঐসি কর্ণ ! ঐ ঈশামক্ ধর্ম্মগী তত্ত্ব য়াম্ব খিজিনবা নিপা অমনি ॥২॥ অদুবু কর্ণ !—লাক্শিন কোমশিনবিবা য়াওম্রবা, নৈরক্ খুল্লক্ ৈকথেন্দা কোয়চৎ চৎলবা কাও ! কাওজাওসু ওইরগা মদ্যপানসু তৌরে, য়ুসু থকৃউরে। অদুবু ঐ অশাউবা পুব খাযজিন্দুনা য়াম্ব হন্তনা মরায় কামনখিহ্না ক্তিম তাউরবা নঙোন্দমকপু হুংশিক্কবদগী খুদম্ অথনীনা নংবু লাক্লেং- খিগে ॥৩॥ কর্ণ ! খুদম্ ওইনা কাককী য়ারী অম নঙোন্দা লীগে তাও। পঙলবা ! তোঙ্গব ! মাসিবু তারগা নংনা থোক্পা তৌ ॥৪॥ অকনব ! নংগী কননবা তাক্পা ঐঙোন্দা দোষ পীদ্রনা মংনা ঐবু হাৎকে হায়রি। ঐ ঈশামক্ কয়িগুম্বা দোষ অমত্ত ঐঙোন্দা লৈবা উজ্রি ॥৫॥ নংগী কাম্বগদবা কাম্বমোইদৌবা মুম খল্লগা মাদু হায়দোক্পা ঐগী ঈথৌনি। অগুগী মথক্তা সারথি ওইবদা মতৌক চাম্রবা, লৈপাক্ অমগী নিংথৌ ওইরিবা ঐনা নংগুম্বগী রথ থৌরি। নংত্ত নত্তে দুর্য্যোধনবু হুংশিবা, ঐস্মুনি ॥৬॥ লাল চঙবা মতমদা লালগী হৌরম পুম্বা অনুকূল ওইরিবরা প্রতিকূল ওইবা য়াওরিবরা অদু খনখিগদবনি। হায়বদি, তোগদৌরিবা কর্ম্ম অসিদা অকায়বা কয়া লৈরি নত্রগা অকায়বা অমত্ত লৈত্রবরা অদুম হায়না অশিংবমীনা মুম খঙ্খিগদবনি। রথী ওইরিবগী হৌজিক্ হৌজিক ওইরিব শক্তি অদু হায়দগী হন্থরবরা-হেনগৎরবরা, শগোলশিংসিগী মপাঙ্গল অসি থর হন্থরব্রা, খুৎলায়শিং অসি মশীং ঈরাৎ য়াত্তনা লৈরিব্রা, শাউচেক শিংনা তৌরকপা খোংলকপা মঙ্গল-অমঙ্গলগী খুদম্শিং অসিনা কম্দৌরিবা, খুৎলায়না পানবদা অংশাকপা অনা- থশিংগী ল্যাইয়েংনবগী ব্যবস্থা শেম্ শারব্রা, লাল অসিগী মঙ্গল ওইগদবা ওইরোইদৌবা খুদম্না কয়ি কয়ি কম্দৌরি—অসিনচিংবা হীরম্শিং অসি মুম্না খঙখিগদবনি। মাসি ঈশঙ্ক খঙদনা কত্রিম্বনি অকনবনি হায়ম্বনা লান্দা ঈপঙ পঙনা পঙচোংত্ত চোংশিন্দুনা শিগে লাকপা নত্তে। ঐদি মাসি বিচার তৌরি। মমযদি সারথি ওইনা লৈরিবা ঐদি রথ অমদি রথী অনীমকী অকনবা খমগদবনি। অদুনা কর্ণ ! কারণে, খুদম্ য়ারী অম লীগে তাও ॥৭—৯॥ মমাইঙো সমুদ্রগী

বহুপুত্রঃ প্রিয়াপত্যঃ সর্ব্বভূতানুকম্পকঃ। রাজ্ঞো ধর্ম্মপ্রধানস্য রাষ্ট্রে বসতি নির্ভয়ঃ॥১১॥
পুত্রাণাং তস্য বালানাং কুমারাণাং যশস্বিনাম্। কাকো বহূনামভবদুচ্ছিষ্টকৃতভোজনঃ॥১২॥
তস্মৈ সদা প্রযচ্ছন্তি বৈশ্যপুত্রাঃ কুমারকাঃ। মাংসৌদনং দধি ক্ষীরং পায়সং মধুসর্পিষী॥১৩॥
স চোচ্ছিষ্টভৃতঃ কাকো বৈশ্যপুত্রৈঃ কুমারকৈঃ। সদৃশান্ পক্ষিণো দৃপ্তঃ শ্রেয়সশ্চাধিচিক্ষিপে॥১৪॥
অথ হংসাঃ সমুদ্রান্তে কদাচিদতিপাতিনঃ। গরুড়স্য গতৌ তুল্যাশ্চক্রাঙ্গা হৃষ্টচেতসঃ॥১৫॥
কুমারকাস্ততো হংসান্ দৃষ্ট্বা কাকমথাব্রুবন্। ভবানেব বিশিষ্টো হি পতত্রিভ্যো বিহঙ্গম।॥১৬॥
প্রতার্য্যমাণস্তৈঃ সর্ব্বৈরল্পবুদ্ধিভিরণ্ডজঃ। তদ্বচঃ সত্যমিত্যেব মৌর্খ্যাদ্দর্পাচ্চ জজ্ঞিবান্॥১৭॥
তান্ সোঽভিপত্য জিজ্ঞাসুঃ ক এষাং শ্রেষ্ঠভাগিতি। উচ্ছিষ্টদর্পিতঃ কাকো বহূনাং দূরপাতিনাম্॥১৮॥
তেষাং যং প্রবরং মেনে হংসানাং দূরপাতিনাম্। তমাহ্বয়ত দুর্ব্বুদ্ধিঃ পতাম ইতি পক্ষিণম্॥১৯॥
তচ্ছ্রুত্বা প্রাহসন্ হংসা যে তত্রাসন্ সমাগতাঃ। ভাষতো বহু কাকস্য বলিনঃ পততাং বরাঃ॥২০॥

কৃপাল্দা লৈবা লৈপাক্ অমদা লম্‌মদা য়াম চাওথংলবা, যজ্ঞদান য়াম তৌব, থাউগল্লবা ডাকপি হৈবা, বৈশ্যগী কর্ম্মতদা পুক্নীং চঙবা বৈশ্য (বানিয়া) অম লৈরম্মি॥১০॥ অীব পুরদা থৌজাল হৈবর বৈশ্য অসি কনাগুম ধর্ম্ম খঙলবা নিংথৌ অমনা পানবা লৈবাক্তা লৈরম্মি। মচা য়াম পোকই; মচাশিং অমুনা মাবু য়াম্না নুংশিনা তৌই॥১১॥ লাইরিক্তি হৈত্তে অানী ওইদেদি হায়রবু মমিংদি চংলাব মচাশিং অমুনা মাবু য়াম্না নুংশিনা তৌই॥১১॥ লাইরিক্তি হৈত্তে অানী ওইদেদি হায়রবু মমিংদি চংলাব মচাশিং অমুনা যাবু য়াম্না মুংশিনা তৌই
বৈশ্যগী মচাশিং অতুগী অরেম্না নুথাক্না চিংবা চাত্রনা কাক্ অম বৈশ্যমুগীয়দা অমম্ লৈ॥১২॥ বৈশ্যগী মচাশিং অমুনা নুমিৎ খুদিংগী কাক অদুদা শা ঙা য়াওবা চাকয়েন্থোং, দধি, শঙোম, ক্ষীর, থোইডো মী অসিমচিংবা অহাও অথুম্ থুম্ থম থম পীজে॥১৩॥ বৈশ্য মচাশিংনা থাক্পিবা হুন্থিবা অচাথক অদু চাত্রনা অদুদগী হেন্দোক্ত, নাম্বোয়রী অরেম্ অপাক চাত্রনা কাক অসি য়াম নোয় পোক্তনা মমারবা কাকশিং অতৈবু অদুগা মথোন্দগী হেনবা উচেক অাং অতৈ অতৈবুম্ থোওই উশিত্তবা অমম্ হৌরকলে॥১৪॥ মোংমদি, গরুড় (লাংজা) গুম্না য়াওলবা, ডাম্ব থজোংগুম্ মৈকথোংন কজরবা কাংগ থম য়াম হয়াউ মুংগাইমা সমুদ্র মপান অদুদা পাইয়কই॥১৫॥ কাংশিং অমুবু উবদা বৈশ্য মচাশিং অমুনা মথোয়গী কাক অদুদা অমুম্না হায়রকই;—"কাক! নংদি উচেকশিং অসিগী হেন্না অতৈ"॥১৬॥ পঙলবা কাক অমুনা মানা মুংঙাইনবা হায়ত্তনা হায়জিরবা য়াওদা চায়না খাজরুনা—"মাদি চুম্ তাই, অওইত অওইনা ওইব তাই"—অমম্ হায়না খনখে॥১৭॥ মতম্ অদুদা নুথাক চাবা কাক অতনা কাংশিং অমুগী মনাক চঙশিনখিনা য়াম য়াংনা পাইবা অমা উচেকশিং অমুগী মরুংদা কনানা থ্রাইদগী হেনবগে হায়বমু খঙনীগু ওকলে॥১৮॥ অমুগী মুদা মহাক কাংশিং অমুগী মরুংদা মালিনা থ্রাইদগী মহেনবু তাগে হায়না কনবা কাংগ অমুম্ কৌখোয়রগা—"কাক! নাউ থোরুও, ঐথোয় অসী পাইবা তায়সি"—হায়না হীকনবুই॥১৯॥ অতাবা কাংগ বয়বা

ইত্যুক্তঃ স চক্রাঙ্গৈর্বচঃ কাকঃ বিকত্থনঃ।

হংসা ঊচুঃ।

বয়ং হংসাশ্চরামেমাং পৃথিবীং মানসৌকসঃ ॥২১॥

পক্ষিণাঞ্চ বয়ং নিত্যং দূরপাতেন পূজিতাঃ। কথং নু হংসং বলিনং চক্রাঙ্গং দূরপাতিনম্ ॥২২॥

কাকো ভূত্বা নিপতনে সমাহ্বয়সি দুর্মতে।। কথং ত্বং পতিতা কাক। সহাস্মাভির্ব্রবীহি তৎ ॥২৩॥
(যুগ্মকম্)

অথ হংসবচো মূঢ়ঃ কুৎসয়িত্বা পুনঃ পুনঃ। প্রজগাদোত্তরং কাকঃ কত্থনো জাতিলাঘবাৎ ॥২৪॥

কাক উবাচ।

শতমেকঞ্চ পাতানাং পতিতাস্মি ন সংশয়ঃ। শতযোজনমেকৈকং বিচিত্রং বিবিধং তথা ॥২৫॥
উড্ডীনমবডীনঞ্চ প্রডীনং ডীনমেব চ। নিডীনমথ সংডীনং তির্য্যগডীনগতানি চ ॥২৬॥
বিডীনং পরিডীনঞ্চ পরাডীনং সুডীনকম্। অভিডীনং মহাডীনং খডীনং পরিডীনকম্ ॥২৭॥

কাকী কাহেন্না নাপন তৌবা য়াঙাং অহু তাবদা কাক্ কাক নোকলকই ॥২০॥ কাংঙশিং অহুনা কাক অহুদা অহুম্না হায়রকই :—কাক। ঐখোয়সি মানস সরোবরদা লৈবা ঙাক্তনি। পৃথিবীগী মকম্ পুম্নমক্তা, য়ৌনিং য়ৌনিংবা মকমদা পাইহুনা লৈবনি ॥২১॥ হে; কল্লক কঞ্জাওগনবা কাক! নোংমদোন্দা পাইব জীবশিংগী মথুংদা ঐখোয়দি সন্মান-মিংচৎ কংদুনা ঙাক লৈরিবনি। নংনা কাক অম ওইরগা, পাইব তাম্নসি হায়দুনা, মশা অমুকমুক খল্লদা কদায় কদায়য়ৌনা পাইওয়্বা মশা-মতুপুম্বা পূমলং লংলবা কাংঙ অসিদা কদিগী শীংক্লরি? অহুগা কাক! নংনা করম্না কাংঙ ঐখোয়গা পাইমিন্নগদৌরিবনো? মাদুহুম্ অমুক্ত হায়খো ॥২২—২৩॥ অদুগী তুংদা মীগী লুখাক্ত চাহুনা মশা নোয় পেল্লবা, মযুকচেজদি পীক্লগা নাপল চাউরবা কাক অহুনা য়াম্না খোয়না নাপল তৌহুনা কাংঙশিংবু নিন্দা তৌনা তৌনা হায়রকই ॥২৪॥ কাংঙশা! পাইবগী বিত্তা ঐ লোইনা খঙতি, হে। মথকলোম্‌দা পাইৎপা হায়বসে মখল চামগা অম ওবনি। মখল খুদিংমক ঐনা লোইনা শীজিন্নদুনা খোঙচৎ অমুক্ত মথক চামগী লম্ পাইবা ঙমমি। মাসিদা থক্ চিংনকম্ লৈজ্রবনি ॥২৫॥ মথকলোম্‌দা পাইখৎনবা মশা খপথবা, মখায়োম্‌দা পাইথনা মশা হাইগৎপা, মাঙলোম্‌দা পাই-শিন্নবা মশাবু ফুংলোম্‌দা খপতোক্পা, তাংখক নাইদনা চুম্‌জিং পাইমনবগী মশামপু, তপনা চৎননবগী মশা মখপ, মথক লোম্‌দা খংরাং য়াংখৎনবগী খোঙ মহোৎ, কৈজেননা পাইননবগী ওক মপু, থেক কোইনা পাইনমবগী শাথেক, মায়গে পুম্ব পুম্নত ওনা পাইবগী মপাই, নোংহম্না পাই-নবগী কিদুপ, শাথিনা কন্না পাইশিন্ননবগী মশা মখপ, লাপ কুইনা পাইমনবগী মশামখপ, ঈকোয় কোয়না পাইননবগী শাথেক অমদি ওক মপু, কন্না পাইখৎপা, কন্না পাইথবা, কন্না খক হাইগৎপা,

অবডীনং প্রডীনঞ্চ সংডীনং ডীনডীনকম্। সংডীনোড্ডীনডীনঞ্চ পুনর্ডীনাবডীনকম্ ॥২৮॥
সম্পাতং সমুদীর্ণঞ্চ ততোঽন্যদ্ব্যতিরিক্তকম্। গতাগতং প্রতিগতং বহ্বীশ্চ নিকুচীনকাঃ।
কর্তাস্মি মিষতাং বোঽদ্য ততো দ্রক্ষ্যথ মে বলম্ ॥২৯॥ (কলাপকম্)
তেষামন্যতমেনাহং পতিষ্যামি বিহায়সম্। প্রদিশধ্বং যথান্যায়ং কেন হংসাঃ। পতাম্যহম্ ॥৩০॥
তে বৈ ধ্রুবং বিনিশ্চিত্য পতধ্বং হ্‌ ময়া সহ। পাতৈরেভিঃ খলু খগাঃ। পতিতা খে নিরাশ্রয়ে ॥৩১॥
এবমুক্তে তু কাকেন প্রহস্যৈকো বিহঙ্গমঃ। উবাচ কাকং রাধেয়। বচনং তন্নিবোধ মে ॥৩২॥

হংস উবাচ।

তমেকঞ্চ পাতানাং ত্বং কাক। পতিত ধ্রুবম্। একমেব তু যং পাতং বিদুঃ সর্বে বিহঙ্গমাঃ ॥৩৩॥
তমহং পতিত কাক। নান্যং জানামি কঞ্চন। পত ত্বমপি। রক্তাক্ষ যেন পাতেন মন্যসে ॥৩৪॥
(যুগ্মকম্)
অথ কাকাঃ প্রহসন্তৌর্বৈ তত্রাসন্ সমাগতাঃ। কথমেকেন পাতেন হংসঃ পাতশতং জয়েৎ ॥৩৫॥

কয়া কোইরপ কোয়না পাইবা, কোয়রৈ লৈনা কৈজেননা পাইবগী গতি-মওং, কয়া কোয়রৈ লৈনা পাইবগী মওং, কোয়রৈ লৈনা পাইথয়কপগী মুংশিংপু হোনবগী নিয়ম, করিগুম্ব জীব অমদা আক্রমণ তৌননবগী খুনুপ্রগুম্না য়ুরাক্লনা পাইথয়কপগী বিধি,—মতৌ অসিগুম্না মথক্তা মখাদা নাক য়েত্তা, পাইখোক পাইশিন তৌননবগী গতিশিং অসি নগবা জগোঈ শাশাহন্না পাইননবগী গতি-বিধিগী নিয়ম হুন্দ্‌তরা মরি অমগা লৈরি। কাংগশা। হায়ক্রিবা মওংশিং অসিদা বিধি নিয়ম কায়দনা পাইবগী মপাই মথল শুনা নখোয়গী নমাওদা ঐ পাইগে। মতম্ অহুদা ঐসি কয়া য়ায় কনবা হৈবগে হায়বদো নমীৎ থীৎনা উবকংগনি। ॥২৬—২৯॥ কাংগশা। ঐনা হৌজিক হায়ক্রিবা মও'শিংতগী মসু.দা কয়ম্বা মওংদা ঐবু হৌজিক পাইয়ু হায়বগে ? অহুনা কাংগশা। নখোয়না হৌজিকমক ঐগোন্দা তুক হায়ু. করম্ব মপাইদ পাইয়ু হায়বগে ? ॥৩০॥ কাংগশা। ঐনা হায়ক্রিব মওংশিং অসি লোইনা শুনা পাইবয়া নক্রগ। মওং অমদা হেক্ত পাইবয়া অম তৌগদৌরি। অহুনা, লাউ কনা কনানো, চোংখোরকউ ঐগা পাইমিন্নগদবা ॥৩১॥ রাধানন্দন। কর্ণ। কাক অগনা অসুয়া নাপল তৌহুনা শীংনম্নক্লবদা কাংগশিং অহুগী ময়ক্তগী কনাগুম্ব অশিংবা কাংগ অমনা হায়য়কৃপসি নহাক ঐগোন্দগী তাহৌ—॥৩২॥

কাওহুনা হায়রকৃই :—কাক। চুম্নি, নং নংনা হায়রিবা মপাই চামগ অমহুগী মনুংদা অমদা নহাক পাইগদৌরি। ঐখোয় কাংগশিংনা খঙজবদি মপায় মওং অমতনি। অহুনা ঐনা খঙজবা মওং অহুমতদা ঐ পাইগে। ময়মদি ঐখোয় কাংগদি অতৈ অতোম্না মপাই অম খঙজদে। অহুনা, কাক মীংচাঙ্‌বা। নংনা হায়রিবা মওংশিং অহুগী মনুংদা নংনা পন হৈনবা অমদা হেক্ত পাইয়ু, ঐ ইয়গে। ॥৩৩-৩৪॥ অসুয়া হায়নরিঔদা কাক অহুগী মথাক্লবা কাক থরাম্

একেনৈব সমস্তৈকং পাতেনাভিভবিষ্যতি। হংসস্য পতিতং কাকো বলবানাশুবিক্রমঃ ।৩৬।
প্রপেততুঃ স্পর্দ্ধয়া চ ততস্তৌ হংসবায়সৌ। একপাতী চ চক্রাঙ্কঃ কাকঃ পাতশতেন চ ।৩৭।
পেতিবানথ চক্রাঙ্কঃ পেতিবাংশ্চাপি বায়সঃ। বিসিস্মাপয়িষুঃ পাতৈরাচক্ষাণঃ স্বকাং ক্রিয়াম্ ।৩৮।
অথ কাকস্য চিত্রাণি পতিতানি মুহুর্মুহুঃ। দৃষ্ট্বা প্রমুদিতাঃ কাকা বিনেদুরধিকৈঃ স্বরৈঃ ।৩৯।
হংসাংশ্চাবহসন্তি স্ম প্রাবদন্নপ্রিয়াণি চ। উৎপত্যোৎপত্য চ মুহুর্মুহুর্ত্তমিতি চেতি চ ।৪০।
বৃক্ষাগ্রেভ্যঃ স্থলেভ্যশ্চ নিপতন্ত্যুৎপতন্তি চ। কুর্ব্বাণা বিবিধান্ রাবানাশংসন্তস্তথা জয়ম্ ।৪১।

হংস উচুঃ।

হংসস্তু মৃদুনৈকেন বিক্রান্তমুপচক্রমে। পর্য্যহীয়ত কাকাচ্চ মুহূর্ত্তমিব মারিষ। ।৪২।

মপাইশিংসিনা মথং মথং পাইরক্তুনা মকম্ অহুদা থুংওয়ে। ময়াম্ অহুনা কাংশিং অহুদা নোক নোক্তুনা "মতৌ করম্না মশামখপ অমত মহৈবা, মপাই মওং অমত মখওবা কাংশিং অসিনা, মপাই চামথোক্না প.ইওম্বা কাকনা করম্ হায়না তান্নগদৌরিবনো?" অস্নুম হায়না লওনরকই ॥৩৫॥ কাকশিং অহুনা অস্নুম হায়রকই :—"ঐখোয়গী কাক অসিনা মপাই খোঙচৎ মথন্ চাম অমগী মস্নুংদা অমতনম্ব কাংও অসিবু শোয়দনা জয় তৌগনি" ॥৩৬॥ অহুগী তুংদা কাকনা কাংওগা অনী অসি শীংনহুনা পাইখৎনরকলে। কাংওনা মশা খপ্তুনা অমুমুক্ পাইরকপা অহুগী শরুক্ চাম চাম হেন্না কাবনা মাঙ্থা থাহুনা পাইরকলে ॥৩৭॥ কাংও অহুদি মানা ওম্বা শক্তি অমদি মশা মখপ অহু মওং ইকায় কায়দনা তুমিন তুমিন্না অহুম্না পাইরি। কাক্ অহুনা মাগী তৌব ওম্ব উত্তুনা মশা চোকথগনি হায়ব খন্দনা মওং মওংদা পাইহুনা কাংওহুগী আ-মাঙথাহুনা মাসিনা মপাই অহু কৌই, মাসিনা মাহুনি হায়হুনা মচৌন্দা চবেং চবেং লোন্দুনা নাপল তৌনা পাইরি ॥৩৮॥ কাককী তৌবা ওম্বা অমদি গতি (খোঙচৎ) মও' মওং পুথোক্তুনা কাংওগী মাঙথাহুনা প ইরকপহু উবদা কাক ময়াম্না নুংঙাইমনথহুনা "ভালো-ভালো!" "সাধু! সাধু!" "কজৈ! কজৈ!" হায়না লাউ খোংনরকই ॥৩৯॥ কাকশিং অহুনা কাংওশিং অহুদা "য়েংজৈহে! কাংওশা! মাসিনা উর্দ্ধগতি হায়বা মপাই অহুনিদে, মাসিনা অধোগতি হায়বা মপাই অহুনিদে, মাসিনা তির্য্যগ্গতি (কৈজৈনা-চেপ্পপাইবা) হায়বা মপাই অহুনিদে"······অস্নুম্ হায়না লাউরলাউরহুনা কাংওশিং অহুবু নিন্দা তৌর তৌরহুনা পাইরকলে ॥৪০॥ কাকশিং অহুনা কাংওগা তান্নরিবা কাক অহুনা জয় ওইরনি, ওম্মনি হায়বগী আশাদা তাউখিহুনা মাগী মপুক্কী খোগৎননংগীদমক্ মখোয় মযামহু উথক্ত অমুক্ পাইখৎলি, লৈমায়থক্ত অমুক্ পাইথরকই, অমুবতোইনা কাতুকায়ল কোয়পাই পাইহুনা কাংও অহুবু লওনরকই ॥৪১॥ ঈকায় খুম্নবগী মশক্ ওইরবা, রথী। কর্ণ। কাংও অহুদি মাগী মহৌশাগী ঈশ্বরনা পীরকপা মপাই (গতি) অহুগী মওং ঈহোং হোংদনা চাং কায়দনা

অবমত্য চ হংসাংস্তানিদং বচনমব্রবীৎ । যোঽয়মাবুৎপতিতো হংসঃ সোঽস্মাকং প্রহাপতে ।৪৩।
অথ হংসঃ স তচ্ছ্রুত্বা প্রাপতৎ পশ্চিমাং দিশম্ । উপর্যুপরি বেগেন সাগরং বরুণালয়ম্ ।৪৪।
ততো ভীঃ প্রাবিশৎ কাকং তদা তত্র বিচেতনম্ । দ্বীপদ্রুমানপশ্যন্তং নিপাতার্থে শ্রমান্বিতম্ ।৪৫।
নিপতেয়ং ক নু শ্রান্ত ইতি তস্মিন্ জলার্ণবে । অবিষহ্যঃ সমুদ্রো হি বহুসত্ত্বগণালয়ঃ ।৪৬।
মহাভূতশতোদ্ভাসী নভসোঽপি বিশিষ্যতে । গাম্ভীর্যাদ্ধি সমুদ্রস্য ন বিশেষং কুলাধম । ৪৭।
দিগম্বরাম্ভসাং কর্ণ । সমুদ্রস্থা বিদুর্জনাঃ । বিদূরপাতাত্তোয়স্য কিং পুনঃ কর্ণ । বায়সঃ ।৪৮।
(বিশেষকম্)
অথ হংসোঽভ্যতিক্রম্য মুহূর্তমিতি চেতি চ । অবেক্ষমাণস্তং কাকং নাশকদ্ব্যপসর্পিতুম্ ।৪৯।
অতিক্রম্য তু চক্রাঙ্গঃ কাকং তং সমুদৈক্ষত । যাবদ্ধ্যাপতত্যেব কাকো যাবিতি চিন্তয়ন্ ।৫০।

অহুম্ তপ্ন তপা। ভুমিম্ন পাইরি। অহুনা মতম্ থরাগীদমক্তি কাংও অদু কাকহুদগী মায়া শোৎ-হোয়ে ॥৪২॥ মাদু উবদা কাকশিং অহুনা করেম্না, থৌওই উশিন্না অসুম হায়রকই:—“কাংও অসিনা পাইবশারিবসে অহুগা মতীক মপা চায়চাদে খঙদনা কাক ঐখোয়গা তান্নিনি হায়রহুনা শীঙনবশারিবলে, ঈবু ঈকায়দে।” ॥৪৩॥ কাকশিংনা লঙনরকপহ তাবদা তৌঠম্ তৌপে হায়রহুনা ভুংদা শোথহোৎলিবা কাংও অহু পাকচাউরবা নোংচুপ সমুদ্র-ঈপাক মথক মপাদ পাইরকলে ॥৪৪॥ মতম্ অহুদা মাগী মাঙ থাগে হায়রহুনা কাক অহুনা য়াম্ন কমা মপা থগু্না সমুদ্র মথক অসুম্ পাইরকপদা কুইন পাইবকপগী চোকথরক্‌না পোথানীঙহুনা চীঙমান্-উঙ্গাউ বাজাও অসুম্ ওন্দুনা য়েংঙকপদা ঈশিংগী ঈশিংমক্ত উঙ্গে। পোথাকম্ লৈরকল্লে; চোকথবনা মখাথম্না য়ারক্কহুনা তোকম্ থউঙকল্লে; জ্ঞান তাল্লে। কিবনা মপা থক থক নীক্লকলে ॥৪৫॥ সমুদ্রগী মপক্কা পাইবা ওম্ওম্ ওম্দবওম্ কাক্ অহুনা অসুম্না বাথল তৌরকই:—“ঐ হৌজিক্ কদায়দাইদ পাইথশিবা। অসুক্ পাকপা ঈপাক্ অসিদি ঐদি কদায়দগী লান্‌বা ওম্গদগে। ঈশিং মসুং অসি ঙ্গ অকিবগী মশক্, ওইরবা জলজন্তু মকুনসু পীক্ থম্ন লৈরি। সমুদ্র অসিদি আকাশ-দগীসু হেন্ন পাকপ্রেনা।” নাপল চাউবা কর্ণ। কাক মাদি হায়রুগনু, সমুদ্রদা পোঙনা-হিনা (জাহাজ) কোয়চৎ চৎলিবা তাইবং মীনসু সমুদ্রগী ওপৈথবু-অরুবা (গভীরতা) বু খঙবা ওমদে। কর্ণ। পঙলবা নাপল চাউরবা কাক অহুনদি মাগী পীক্লবা মপা অনীহুনা থগু্না করম্ খঙগনি? ॥৪৬-৪৮॥ কাংও অহুনা সমুদ্র মথক অহদা অসুম্ মতম্ থম্ন পাইরকপদা কাক অহুবু ভাইবদা লাথ পাইবা ওমল্লে ॥৪৯॥ “কাক অসিনা ঐনা পাইরিবসি কাওবা য়ৌরকল্লিমথৈ ঐ পাইবা ওশোইদৌরি” অসুম্ হায়না থন্দুনা পূকচেল চাউরবা কাংও অহু কাকতগী খা-হেন্দোক্না পাইরক্লবহু ভুংলোমদা হম্না য়েং য়েংহুনা কাক অহুবু ভাই ওইহুনা পাইরকলি। কাক পোথক্না মা কমদৌরিবদে

ততঃ কাকো ভৃশং শ্রান্তো হংসমভ্যাগমত্তদা । তং তথা হীয়মানন্তু হংসো দৃষ্ট্বাব্রবীদিদম্ ।
উজ্জিহীর্ষুর্নিমজ্জন্তং স্মরন্ সৎপুরুষব্রতম্ ॥৫১॥

হংস উবাচ

বহূনি পতিতানি ত্বমাচক্ষাণো মুহুর্মুহুঃ । পাতস্য ব্যাহরংশ্চেদং ন নো গুহ্যং প্রভাষসে ॥৫২॥
কিং নাম পতিতং কাক ! যত্ত্বং পতসি সাম্প্রতম্ । জলং স্পৃশসি পক্ষাভ্যাং তুণ্ডেন চ পুনঃ পুনঃ ॥৫৩॥
প্রব্রূহি কতমো যত্র পাতে বর্ত্তসি বায়স ! । এহ্যেহি কাক ! শীঘ্রং ত্বমেষ ত্বাং প্রতিপালয়ে ॥৫৪॥

শল্য উবাচ ।

স পক্ষাভ্যাং স্পৃশন্নার্ত্তস্তুণ্ডেন চ জলং তদা । দৃষ্টো হংসেন দুষ্টাত্মন্ । ইদং হংসং ততোঽব্রবীৎ ॥৫৫॥
অপশ্যন্নস্তসঃ পারং নিপতংশ্চ শ্রমান্বিতঃ । পাতবেগপ্রমথিতো হংসং কাকোঽব্রবীদিদম্ ॥৫৬॥
বয়ং কাকাঃ কুতো নাম চরামঃ কাকরাসিকাঃ । হংস । প্রাণৈঃ প্রপদ্যে ত্বামুদকান্তং নয়স্ব মাম্ ॥৫৭॥
স পক্ষাভ্যাং স্পৃশন্নার্ত্তস্তুণ্ডেন চ মহার্ণবম্ । কাকো দৃঢ়পরিশ্রান্তঃ সহসা নিপপাত হ ॥৫৮॥

হায়ন য়েংলি ॥৫০॥ অদুদগী নাপল চাউরবা কাক অদু তুরে'ই ঙামলোইমনা মশা থপ্প ঙম্ঙম্ ঙম্দঙম্ উচিন্নাচিন্ন কাংঙ অদুগী মনাকতি য়ৌরকলে। পূকচেল চাউরবা কাংঙ অদুনা, কাক অদুনা য়াম্ম রাব চোকথবদু উবদা সজ্জন অম ওইবগী লমচৎ নিয়ম অদু নীঙশিংঙক্না, কাক অদুবু কন্থিগে হায়না থল্লদুনা, ঈয়ায়দা তাদুনা লুপকদোয়রবা কাক অদুদা অসুম্না হায়রক্ই :—॥৫১॥ কাক। নহাক্না ঐঙোন্দা পাইবগী গতি (মপাউ) মথল মথলগী য়া কয়া হায়খি। অদুবু কনা য়াম্মদি হায়খ্রে হায়ববু কূপ্পব-লুরবা মপাই অমগী য়াদি নংনা হায়খিদ্রে ॥৫২॥ কাক! নংনা হৌজিক্ নোংথক্কগী হাইথরক্নুনা নশা অনীগুনা সমুদ্রগী ঈশিংদা শোক্নীং শোক্মাঙ তৌদুনা নচীন অদুনা ঈশিংদা চক্ চক্ থিন্দুনা মুংশা মপী থবেৎ থবেৎ হোন্দুনা পাইরিবা মপাই অসিদি কয়গুম মপাইনো ? নংনা তাক্নাপিথিবদুদদি য়াওাথদেনা ॥৫৩॥ কাক। নংনা হৌজিক্ পাইরিবা মপাই-থোঙচৎ অসি কয়ি কৌবগে ? ঐথোয়দি থক থেংনখিদ্রি, ঐথোয়দি হৈবু হৈত্তেনা ॥৫৪॥ শল্যনা হায় :—নাপল চাউবা কর্ণ! মাসি হায়রিঙৈমক্তদা কাক অদুনা মশা অনীগু ঈশিংদা চূপ্ চূপ্ লুপ্পুনা মচীম ঈশিং অদুদা শোক্লে। য়ায়বা শিগদোয়রবা কাক অদুনা কাংঙদা য়া ঙাঙবা হৌরক্ই :—॥৫৫॥ য়ারবা, চোকথরবা কাক অদুনা পাইরবমথৈ লোইবা থবা নাইদ্রবা, চাংজো নাইদ্রবা সমুদ্রবু উরগা করি হায়কপগে হায়ববু :—"পূকচেল চাউরবা কাংঙ! বিধাতানা ঐথোয়বু কাক কৌবা উচেক ওইনা শেম্মিরে। কনানা খঙনি ঐথোয়দি, কাক কাক হায়দুনা উ অমদগী উ অমদা মপাই মথল মথল্লা কোয়রৈ লৈদুনা পাই। থরাই মঙা য়াওনা নংগী নথোঙদা চঙজরি। থরাইতদি কনবিয়ু, ঐবু তোর্বান্তদি য়ৌহন্বিয়ু" ॥৫৬-৫৭॥ অসি হায়ন হায়না কাক অহৎ, কুইনা পাইয়কপগী অদুগা করিমু কায়দবদা মপাই ময়াম্ উংগুবদগী মশা অদু চোক্থবিদুনা

সাগরান্তসি তং দৃষ্ট্বা পতিতং দীনচেতসম্। ম্রিয়মাণমিদং কাকং হংসো বাক্যমথাব্রবীৎ ।৫৯।
শতমেকঞ্চ পাতানাং পতাম্যহমনুস্মর। শ্লাঘমানস্ত্বমাত্মানং কাক। ভাষিতবানসি ।৬০।
স ত্বমেকশতং পাতং পতন্নভ্যধিকো ময়া। কথমেবং পরিশ্রান্তঃ পতিতোঽসি মহার্ণবে ।৬১।
প্রত্যুবাচ ততঃ কাকঃ সীদমান ইদং বচঃ। উপবিষ্টাস্তদা হংসমভিবীক্ষ্য প্রসাদয়ন্ ।৬২।

কাক উবাচ।

উচ্ছিষ্টদর্পিতো হংস! মন্যেঽঽত্মানং সুপর্ণবৎ। অবমন্যে বহূংশ্চাহং কাকানন্যাংশ্চ পক্ষিণঃ।
প্রাণৈর্হংস। প্রপদ্যে ত্বাং দ্বীপান্তং প্রাপয়স্ব মাম্ ।৬৩।
যদ্যহং স্বস্তিমান্ হংস! স্বদেশং প্রাপ্নুয়াং বিভো।। ন কঞ্চিদবমন্যেয়মাপদো মাং সমুদ্ধর ।৬৪।
তমেবংবাদিনং দীনং বিলপন্তমচেতনম্। কাক কাকেতি বাসন্তং নিমজ্জন্তং মহার্ণবে ।৬৫।

মশা অনীস্থ তত্থুগা মচীন্ অত্থ সমুদ্রগী ঈশিংনা পুম্চোৎচোত্না ঈযায়দা তারকলে ॥৫৮॥ মশা চোকথরবা মশাৎপ্পা য়াত্রবা ঈশিংদা তাউত্থনা শিগদোরব। কাক অত্থদা কাংঙনা অস্তম্মা হায়রকই :— কাক। নং নীঙশিংঙ্, "ঐদি মপাই মথল চামথোক্পা পাইবা ঙম্মি" হায়ত্থনা নংনা ঐঙোন্দা নাপল তৌখিব', কয়েম্নবত্থ নীঙশিঙঙ্ ॥৫৯-৬০॥ কাক। নংদি ঐঙোন্দগী মপাই মওং চামগ অম হেম্না পাইবা ঙম্লিংনি, অত্থুগা করিগীনো নংনা নশা চোক্থত্থনা ঈশিংদা তারিবা? ঈশিং অত্থদগী পাইথৎলরবা মপাইদি হৈহৌত্রবরা? ॥৬১॥ মতম্ অত্থদা মমীংনা চ্যাং ঙ্যোং ওনথৎ-ক্কলবা, মশা তেঙ্বা ত্থমকত্রব', কাক অত্থনা মাগী মথক্ত নোংথক্ত পাইরিবা কাংঙ অত্থদা নেম্নবপা য়াইনা মপি ত্রংত্র' চেন্দুনা অস্তম্ন হায়রকই :—॥৬২॥ কাংঙ। ঐ অসি ঈপঙ পঙজত্থনা, বৈশ্যমচাশিং অত্থনা থর পীজবা অত্থ চাত্থনা অত্থুগ মখোয়না লংথোরকপা লুখাক অত্থ চাত্থনা ঈশা অসি য়াম্ন' নোয়প্রণ্দদ নাপল তৌত্থনা ঐ ঈশামক গরুড়গুম্ থল্লুম্। ইমান্নবা কাক অতৈ অতৈবুস্ত অত্থগা কাংঙ নপোংথবুস্ উশিৎ থৌওইকত্রে। হৌজিক্ত ঐ নংগী নকমদা থরাইহকচাং পুম্বা কথোকত্থনা চউক্র্ব। নং ঐগী থরাইস অমুক্তদি বল্লু। ঐবু ভেৰ্বান য়েনিনবসি অগুক্ত তৌবিয়্বা ॥৬৩॥ "প্রভু! থরাইগী মপু! কাঙ। ঐ হন্দকমুক্পু অমুক্তং হিংজরবদি মতুং মনাও নাপল নৌবত তৌজররোই। মীবু উশিথেওইদবা হায়বসে ঐ তৌজপ্ররোই। অরাবসিদগী, অরাবা-ঈপাক অসিদগী ঐবু অমুক্ত উদ্ধার তৌবিয়্" ॥৬৪॥ রারবা, জ্ঞান ভাত্রবা কাক অসি অস্তম্ হায়না হায়না কাক কাক হাইনা লাউরত্থনা বপ্ন কপ্পা সমুদ্রত্থদা লুপলকলবা মতম্ অত্থদা, মাগী মতৌ য়েংবা ঙখ্রত্থনা কাংঙ অত্থনা পাইথরকত্থনা, করিম্ম করিস্ত ঈভাঙ্ ভাঙ্দনা মখেঙ তনীত্থনা চেগা', ঈশিংনা মশা পুচোৎ চোৎলবা, থক থক নীকলবা

অনুক্ত্বা বায়সং হংসো জলক্লিন্নং সুদুর্দ্দশম্ । পদ্ভ্যামুৎক্ষিপ্য বেগেন পৃষ্ঠমারোপয়চ্ছনৈঃ ॥৬৬॥
(যুগ্মকম্)

আরোপ্য পৃষ্ঠং হংসস্তং কাকং তূর্ণং বিচেতসম্ । আজগাম পুনর্দ্বীপং স্পর্দ্ধয়াৎপেততুর্যতঃ ॥৬৭॥

সংস্থাপ্য তঞ্চাপি পুনঃ সমাশ্বাস্য চ খেচরম্ । গতো যথেপ্সিতং দেশং হংসো মন ইবাশুগঃ ॥৬৮॥

এবমুচ্ছিষ্টপুষ্টঃ স কাকো হংসপরাজিতঃ । বলবীর্য্যমদং কর্ণ ! ত্যক্ত্বা শান্তিমুপাগতঃ ॥৬৯॥

উচ্ছিষ্টভোজনঃ কাকো যথা বৈশ্যকুলে তু সঃ । এবং ত্বমুচ্ছিষ্টভৃতো ধার্ত্তরাষ্ট্রৈর্ন সংশয়ঃ ।
সদৃশান্ শ্রেয়সশ্চাপি সর্ব্বান্ কর্ণাবমন্যসে ॥৭০॥

দ্রোণদ্রৌণকৃপৈর্গুপ্তো ভীষ্মেণান্যৈশ্চ কৌরবৈঃ । বিরাটনগরে পার্থমেকং কিং নাবধীস্তদা ॥৭১॥

যত্র ব্যস্তাঃ সমস্তাশ্চ নির্জ্জিতাঃ স্থ কিরীটিনা । সৃগালা ইব সিংহেন ক্ব তে বীর্য্যমভূত্তদা ॥৭২॥

ভ্রাতরঞ্চ হতং দৃষ্ট্বা সমরে সব্যসাচিনা । পশ্যতাং কুরুবীরাণাং প্রথমং ত্বং পলায়িতঃ ॥৭৩॥

কাক অদুবু মনঙন্দা তপ্প তপ্পা হাইগৎপিরকই ॥৬৫-৬৬॥ শিরুম্ নারুম্ তোরবা থক থক নীরবা কাক অদুবু পোত্তুনা কাঙ অদু তপ্প তপ্পা পাইরকই। হান্সগী মখোয়গী পাইবা তান্নরককম্ মফম্ ইথৎ (দ্বীপ) অদুদা থুংখ্রে ॥৬৭॥ পুক্নীংগী মতৌগুম্ য়াঙলবা কাংঙ অদু, কাক অদুবু তেংর্ব্বান্দা থম্বিরম্লগা, মতুং মনাও তৌনু হায়না খেম্জিনবিরম্লগা মানা পাইখিগদবা লম্দা পাইখি ॥৬৮॥ কর্ণ! বৈশ্য (বানিয়া) মচাশিংগী লুথাক্ চাহুনা মশামউ করবা কাক অদো কাংঙগী মফম্দা মায়থীবা-ঈকায়বা চোপ্প কহুনা, মাহুগী মুামত্তগী পোয়বা, চাউখোকপা, মী উাশত্তবা পুম্বা থাদোক্তুনা মফম্ অদুদা মহাশান্তি কংহুনা অদুম্ লৈখ্রে ॥৬৯॥ কর্ণ! কাক অদুনা মীগী লুথাক্ চাহুনা মশাদু নোয় পেল্লহনা মমান্নবা অমদি মথক্ খোংবশিংদা উশিং খৌওইদবা লমচৎ রাঙাং খোন্দাত তৌহুনা ঈকায়বা চোপ্প নংখিবদুগুম্না নহাকসু ধৃতরাষ্ট্রগী মচা-শিংদগী চাক্থাক্ থম কংহুনা মখোয়গী মশাইগোন্দা চাউরগা নমান্নববু অদুগা নথকখোংবা মীবু খৌওই উশিংজ্র। চেকশিন্নু, কাককী দশা তাহুনা তোকচনি। ম সদা চিংনকম্ ক রমত লৈত্রবনি ॥৭০॥ তাইখো, ঐ নত্তোন্দা হংবু হংখিগে — বিরাট নগরদা শল খোম্বনি — মুনবনি হায়দুনা চৎলুবদা দ্রোণ অশ্বত্থামা, কৃপ, ভীষ্ম অদুগা অতোপ অতোপ্প কৌরব লাম্মী অকনবশিংনা ঙাকলো ওইরবা নহাক্না অর্জ্জুন মথন্তবু হাৎহৌদ্রিবদি করিগীনো? ॥৭১॥ নোংশা অমত্তগী মথুত্তা শজী শঙাই মপৈ মপৈনা মায়থীবা কংহুনা নিংদোল চেনগুম্ চেনগাননা চেন্নকপ দুগুম্না নখোয় ময়াম্না অমুক চেনক ত্রবম্নু, নখোয় ময়াম্ তিন্নহুনা, নংনসু হাৎকে রাশকলিবা অর্জ্জুন মথন্তবু হাৎপ তম্নক্-ত্রিবহুনা করিগীনো? মতম অদুদা নংগী রাশক্ নংগী শক্তি, নংগী নথৌনা কদায় লোৎখি? ॥৭২॥

যদা দ্বৈতবনে কর্ণ। গন্ধর্বৈঃ সমভিদ্রুতঃ। কুরূন্ সমগ্রানুৎসৃজ্য প্রথমং ত্বং পলায়িতঃ ॥৭৪॥
হত্বা জিত্বা চ গন্ধর্বাংশ্চিত্রসেনমুখান্ রণে। কর্ণ। দুর্য্যোধনং পার্থঃ সভার্য্যং সমমোক্ষয়ৎ ॥৭৫॥
পুনঃ প্রভাবঃ পার্থস্য পুরাণঃ কেশবস্য চ। কথিতঃ কর্ণ। রামেণ সভায়াং রাজসংসদি ॥৭৬॥
সততঞ্চ ত্বমশ্রৌষীর্বচনং দ্রোণভীষ্ময়োঃ। অবধ্যৌ বদতোঃ কৃষ্ণৌ সন্নিধৌ চ মহীক্ষিতাম্ ॥৭৭॥
কিয়ন্তু তৎ প্রবক্ষ্যামি যেন যেন ধনঞ্জয়ঃ। ত্বত্তোঽতিরিক্তঃ সর্বেভ্যো ভূতেভ্যো ব্রাহ্মণো যথা ॥৭৮॥
ইদানীমেব দ্রষ্টাসি প্রধানে স্যন্দনে স্থিতৌ। পুত্রঞ্চ বসুদেবস্য কুন্তীপুত্রঞ্চ পাণ্ডবম্ ॥৭৯॥
যথাশ্রয়ত চক্রাঙ্গং বায়সো বুদ্ধিমাস্থিতঃ। তথাশ্রয়স্ব বার্ষ্ণেয়ং পাণ্ডবঞ্চ ধনঞ্জয়ম্ ॥৮০॥
যদা ত্বং যুধি বিক্রান্তৌ বাসুদেবধনঞ্জয়ৌ। দ্রষ্টাস্যেকরথে কর্ণ। তদা নৈবং বদিষ্যসি ॥৮১॥
যদা শরশতৈঃ পার্থো দর্পং তে বারয়িষ্যতি। তদা ত্বমন্তরং দ্রষ্টা আত্মনশ্চার্জ্জুনস্য চ ॥৮২॥
দেবাসুরমনুষ্যেষু প্রখ্যাতৌ যৌ নরর্ষভৌ। তৌ মাবমংস্থা মৌর্খ্যাত্ত্বং খদ্যোত ইব রোচনৌ ॥৮৩॥

নং নত্রা, ননাওবু হাৎখিবা উবদ', মাহুগী সুমিত্তা নকিনয়োল মকম্ থণ্ডদনা খ্বাইগী মাঙথাহুনা চেল্লকপদো ॥৭৩॥ কর্ণ! ঘোষ যাত্রাগী মতম্‌দা দ্বৈতবনদা গন্ধর্ব্বশিংনা দুর্য্যোধননচিংববু কাপ্রবদা নংগী সুংশিজরবা মরূপ দুর্য্যোধন মকপুম্ব হম্রা য়েংলম্‌দনা খ্বইগী মাঙথাহুনা চেল্লকপদো নং নত্রা॥৭৪॥ কর্ণ! সুমিৎ অহুদা, নবুত্তো অর্জ্জুননা চিত্রসেননচিংবা গন্ধর্ব্ব শিংবু জয় তৌহুনা হাত্তুনা মত্থু মচাগা লোয়ননা দুর্য্যোধনগী মথ্বাইকনবিখিবদো ভরাংতগী রানি, কাউরবরা ? ॥৭৫॥ কর্ণ! নংগী গুরু পরশুরামমক্তা রাজসভাময়াম মক্তা কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীগী মগুণ শকখিবত্ত, মখোয় অনীগী মহিমা লীখিবত্ত কাউরব্র ? নং নংগী গুরুদেবগী রাকাওবা খাজদয়া ? ॥৭৬॥ কর্ণ! ভীষ্ম দ্রোণ মশামক্তা "কৃষ্ণ-অর্জ্জুনবুদি থক্ হাৎপ য়ারোই" হায়না কর্ণ' নত্তোন্দ হম হম। হায়খিবত্থু খাজদবরা ? মাহু ননাকোং মক্তা কয়ারক তাপ্রবনি ॥৭৭॥ বর্ণ মারগী মনুংদা ব্রাহ্মণনা খ্বাগী অথোইবা ওইবত্থুগুম্না নখোয় খ্বাইদগী অর্জ্জুননা গুণদা য়াম্না হেনপ্রবান হায়বসি ঐ নত্তোন্দা অমুক্ কয়া হম্রা হায়খোগে ? ॥৭৮॥ রায়মু, কর্ণ! রথ অমতদা তোংমিন্নবা বসুদেবনন্দন কৃষ্ণগা কুন্তীনন্দন অর্জ্জুনগা অনীবু উগদবা ওহাক্ত মত্তায়রে। হৌজিক্ শোয়দনা উরগনি-উরগনি ॥৭৯॥ মখোয় অনীগা ওহাক্ থেংনজরগা, হৌজিক্ত হায়প্রিবা, কাক্ অহুনা কাংডদা চণ্ডজবা মথ্বাই নিবত্থুগুম্না, নহাকম্ভ, মখোয় অনীদা নখুৎ লোমহুনা চণ্ডজো ॥৮০॥ কর্ণ! নহাক্না মখোয় অনীবু হেক উবদা, মখোয় অনীদা ভাওপ্রিবা শক্প্রিবা খোন্দাদো অমুক হনবা ওমহৌরয়োইদৌবনি ॥৮১॥ অর্জ্জুনগী তেলচাম চাম লিশিং লিশিংনা নশাদ হেক পানবদা নংগা অর্জ্জুনগা কয়া খেমবা উবগে হায়বত্থুদা মহেক লানা কংগনি ॥৮২॥ মরোল অহুম্গী লাইহিংচাব, গন্ধর্ব্ব, তাইবং মী-পুমক্তা খ্বাইদগী কনবদি অর্জ্জুনতনি হায়না য়ানপ্রবা, অগত্তা কাওরবা অর্জ্জুনবু নহাক্না অন্দম্না

সূর্য্যাচন্দ্রমসৌ যদ্বদর্জ্জুনকেশবৌ। প্রাকাশ্যেনাতিবিখ্যাতৌ যত্ত খদ্যোতবন্নু বু ॥৮৪॥
এবং বিদ্বান্ মাবমংস্থাঃ সূতপুত্রাচ্যুতার্জ্জুনৌ। নৃসিংহৌ তৌ মহাত্মানৌ দোষমাসৃষ্ব বিকথনে ॥৮৫॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
হংসকাকীয়োপাখ্যানে ত্রয়স্ত্রিংশোঽধ্যায় ॥৩॥

——-:-*-:——

নুমিৎ থাবু উশিত্তবন্নুগুমদি উশিত্তবা তৌরূ লাকউনু ॥৮৩॥ নোংমদোস্তক্তা মঙাল পীবা গ্রহশিংগী মনুংদা সূর্য্য-চন্দ্র অনীনা খ্বাইদগী বিখ্যাত ওইবা অদুগুম্না মর্ত্ত্যলোক অসিদা কৃষ্ণ-অর্জ্জুন অনীতনা কনব হৈবদা খ্বাইদগী অকাওবনি। অদুগা নংদি মীওইবা অসুক য়ায় লৈরিবসিগী মনুংদদি তন্দল অমগুম্বতনি ॥৮৪॥ সূতগী মচা! ঐনা হায়রিবসি করি লৈবগে হায়বদু মুন্ন বিচার তৌরগা কৃষ্ণ-অর্জ্জুন অনীবু থক্ উশিত্তবা থৌওইদবা তৌরুন্ন নশানথস্তবু থাগচ্চ নিংওকপা মতমদা নচীন উম্‌শিন্দুনা তূমিন্ হেক্ লৈখোকউ ॥৮৫॥

মকম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা "হংসকাকীয়োপাখ্যান"গী কু স্থ, হুম্‌দোইশুবা অধ্যায় লোয়রে ॥X॥

শ্রীমহাভারতম্

চতুস্ত্রিংশোঽধ্যায়ঃ।

(কুহু,মরিশুবা অধ্যায়)

(কর্ণ শল্য ঙাঙনরক্‌পা মতাং মথং)

সঞ্জয় উবাচ।

মদ্রাধিপস্যাধিরথির্মহাত্মা বচো নিশম্যাপ্রিয়মপ্রতীতঃ।
উবাচ শল্যং বিদিতং মমৈতদ্‌যথাবিধাবর্জ্জুনবাসুদেবৌ ॥১॥

সঞ্জয়না হায়ঃ— মহারাজ! মহাত্মা ওইরবা (ইচগু থৌরবা কিগদ্রবা) কর্ণনা শল্যগী তাবা নুংঙাইতবা রানী অদু তাবদা নুংঙাইখিদতুনা শল্যদা করি হায়রক্‌পগে হায়ববুঃ— "শল্য! নংনা কৃষ্ণ অর্জ্জুনবু অসুক্ য়ায় থাগৎত্রবসু, মখোয় অনীবু ঐ মশক্ মুন্ন খঙিও ॥১॥ মথ খৌব কৃষ্ণগা

শৌরে বধং বাহুবতোঽর্জ্জুনস্য বলং মহাস্ত্রাণি চ পাণ্ডবস্য ।
অহং বিজানামি যথাবদদ্য পরোক্ষভূতং তব তন্নু শল্য ।।২।।
তৌ চাপ্যহং শস্ত্রভৃতাং বরিষ্ঠৌ ব্যপেতভীর্যোধয়িষ্যামি কৃষ্ণৌ ।
সন্তাপয়ত্যভ্যধিকং হি রামাচ্ছাপোঽদ্য মাং ব্রাহ্মণসত্তমাচ্চ ।।৩।।
অবসং বৈ ব্রাহ্মণচ্ছদ্মনাহং রামে পুরা দিব্যমস্ত্রং চিকীর্ষুঃ ।
তত্রাপি মে দেবরাজেন বিঘ্নো হিতার্থিনা ফাল্গুনস্যৈব শল্য ।।৪।।
কৃতো বিভেদেন মমোরুমেত্য প্রবিশ্য কীটস্য তনুং বিরূপাম্ ।
মমোরুমেত্য প্রবিভেদ কীটঃ সুপ্তে গুরৌ তত্র শিরো নিধায় ।।৫।। (যুগ্মকম্)
উরুপ্রভেদাচ্চ মহান্ বভূব শরীরতো মে ঘনশোণিতৌঘঃ ।
গুরোর্ভয়াচ্চাপি ন চেলিবানহং ততশ্চাববুদ্ধো দদৃশেঽথ বিপ্রঃ ।।৬।।
স ধৈর্য্যযুক্তং প্রসমীক্ষ্য মাং বৈ ন ত্বং বিপ্রঃ কোঽসি সত্যং বদেতি ।
তস্মৈ তদাত্মানমহং যথাবদাখ্যাতবান্ সূতবদেত্য শল্য ।।৭।।
স মাং নিশম্যাথ মহাতপস্বী সংশপ্তবান্ রোষপরীতচেতাঃ ।
সূতোপধাবাপ্তমিদং তবাস্ত্রং ন কর্ম্মকালে প্রতিভাস্যতি ত্বাম্ ।।৮।।

পাণ্ডুগী মচা অর্জ্জুনগ। অনীগী শক্তি অমদি খুৎলায় অহুবুসু ঐ মুম থওঠী। শল্য ! মখোয় অনীগী শক্তি ঐনা থওব অসুক্ নংনা থওব লাকপ পোৎ নত্তে ।।২।। অহুবুনে শল্য। ঐ করিমত কিদনা, অকিব থুক্ লাউবা করিমত তৌদনা কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীগা থেংনগনি । অদুদা ঐগী পুক্নিং খজিক্তং চিংনবা হায়বদু ব্রাহ্মণ অথোইবা গুরুদেব পরশুরামগী অভিশাপ অমতং ঐঙোন্দা লৈ। মহুতংগীদি ঐগী পুক্নিং অসিনা তয়াংতশোইবগুম্ব অমদি লৈ ।।৩।। শল্য ! মমাঙৈদা ঐ ব্রাহ্মণগী ফিজেৎ শেত্তুনা ব্রাহ্মণ শাশিন্নহুনা পরশুরামগী নাক্ত চত্তুনা খুৎলায় তম্লহুনা মতম থমদং লৈ। নোংম অচিকপদা অসুম চৎপদা গুরুদেবনা ঐগী কৈগলদা (তমপাক্ত) মোন থাংহুনা চেম্নি। মতম অদুদা ইন্দ্রনা অর্জ্জুনগী কান্ননবগীদমক্ মহ কল্লবা তীল্ অমগী মশক লৌরহুনা ঐগী কৈগল মরুদা কম হেক্ চীকই ।।৪—৫।। তীল অদুনা য়াম্ন কম চিকপদুদা ঐগী কৈগল্গী ঐগী ঈচেল অম চেম্লকই। ঐঙোন্দ য়াম্ন কম চৈনা পীথ্রে। অদুবু গুরুদেবগী চেম্ন কায়রগনি হায়বগী কিবদগী ঐসু থা ক্রক ক্রক চীত্তুনা চৈনাহু থাওহুনা সুংগুমা করিমত লেঙব ওৎপা তৌদনা তুমিন্ন লৈ। গুহাক লৈরগা গুরুদেবনা মীকপ থোরকপদদি তৌরম্নিবহু উরে ।।৬।। মতম অদুদা গুরুদেব পরশুরামনা ঐঙোন্দা ঙাপ্ন হংজিঃ— "কর্ণ ! নং ব্রাহ্মণদি নত্তে; চুম্ন হায়ু, কনি অথনো ?" শল্য । গুরুদেবনা অসুম্ন হংলক্লবদা ঐসু মীনথ কিরহুনা "ঐ সূতনি গুরুদেব !" অহুম্ন হায়না পরিচয় পীরে ।।৭।। মাহ তাবদা মহাতপস্বী ওইরবা গুরুদেব ভৃগুরাম (পরশুরাম) না শাউবনা

অতস্ত্র ত্বমাত্মন মৃত্যুকালাদত্রাণে অন্ন ন হি এবং স্যাৎ।
অদ্য পর্য্যাপ্তমতীব চাস্ত্রমস্মিন্ সংগ্রামে তুমুলেঽতীব ভীমে ॥৯॥
যোঽয়ং শল্য! ভরতেষুগ্রগণ্যঃ প্রকর্ষণঃ সর্ব্বহরোঽতিভীমঃ।
সোঽতিমত্তে ক্ষত্রিয়াণাং প্রবীরান্ প্রতাপিতা বলবান্ বৈ বিমর্দ্দঃ ॥১০॥
শল্যোগ্রধন্বানমহং বরিষ্ঠং তরস্বিনং ভীমমসহ্যবীর্য্যম্।
সত্যপ্রতিজ্ঞং যুধি পাণ্ডবেয়ং ধনঞ্জয়ং মৃত্যুমুখং নয়িষ্যে ॥১১॥
অদ্যং হি যে তং প্রতিপন্নমস্ত্র যেন ক্ষেপ্যো সমরে শত্রুপুগান্।
প্রতাপিনং বলবন্তং কৃতাস্ত্রং তমুগ্রধন্বানমমিতৌজসঞ্চ।
ক্রূরং শূরমমিত্রসাহং ধনঞ্জয়ং সংযুগেঽহং হনিষ্যে ॥১২॥
অপাং পতির্ব্বেগবানপ্রমেয়ো নিমজ্জয়িষ্যন্ বহুলাঃ প্রজাশ্চ।
মহাবেগং সংক্রুদ্ধতে সমুদ্রো বেলা চৈনং বারয়ত্যপ্রমেয়ম্ ॥১৩॥

মীৎ অনীহু কোঃরিমুক্ ভাঙনা পীশূম্ শূক্তোক্তুনা ঐতোন্দা অহুম্ হায়না য়াম্ কম্. শাপ তৌখি "হৈ। সুত মচা! নং ঐগী ইকমদগী নহালমখৈ ব্রাহ্মণ শাশিন্নরুনা খুৎলায় মখৈ অয়াম্বা তম্‌খোকপ্রে। মীনম্ব অসিগীদমক নং কাল অমদা নংগী চিয়ব লুয়ব মতম্‌দা খুৎলায় অয়াম্ব মন্ত্র যন্ত্র পুম্ব কাউব ওইয়ু।" ॥৮॥ নংগী অয়োইব মুমিৎ ল্যাকত্রিব মখৈদি খুৎলায় মন্নামদো অচুম্বক কাউদব ওইসনু। ময়ম্‌দি ব্রাহ্মণ নত্তবদা ব্রহ্মমন্ত্রগা লোয়ননা খুৎলায়দি কুইন লৈবনু য়াদে।" অসিনি, শল্য, গুরুদেবগী শাপ হায়ববু গুরুনা শাপ তৌখিবা খুৎলায় অহুমকনি ওসিগী ঐগী পুনশিগী খ্ৎাইদগী কনবা, অকিবগী মশক্ কংলবা লাঞ্জওদা শীজিন্নগদৌরিবদি ॥৯॥ শল্য! অকনব পুন্নমকপু লৌশিনবা, পুন্নমকপু মাঙহনগদবা, খোইদোক্না অকিবগী মশক কংলবা, পুন্নমকপু মৈহৎকদবা খোদোক খোদোক অম মুর্ত্তিনাইনা ভরতবংশগী ক্ষত্রিয়শিং মরক্ত থুংহনে। শল্য! ঐনা অসুম্ খনবদা খোদোক অসিনা ওসিদি অকন অকনবা কন্নাবু চাক্‌থেকলবা তায়ে ॥১০॥ শল্য! ঐনা ওসিগী লান্দ অকিবগী মশক কংলবা লাক্সংনা মহাক্রী ওইবা, অকনবশিংগী মমুংদা অথোইব, খন্নাইদগী কনব, অকিবগী মশক ওইব কর্ম্ম তৌবতনা মশিঙ্গাং ওইরবা, মহাক্রী তেজবীর্য্যবু কনা অমত্তনা খাঙবা ঙমদবা বাশকচেৎপা, পাণ্ডুনন্দন অর্জ্জুনবু অশিবগী খান্নাত্ত তাহনগে ॥১১॥ ঐনা হাৎকে বাশকপা ঐগী অমত্ত ওইবা য়েক্লবা মাবু হাৎননবা খুৎলায়দো ঐ হৌজিক্তি নীঙশিঙতক্লে। ময়ম্ অচুনা য়েক্লববু অরাবা পীঙবা, কন্নবা, খুৎলায় পুম্বা হৈরবা, অকিবগী মশক্ ওইরবা লীক্লং পায়বা, হায়নীংঙাই লৈত্তবা তেজনা মহাক্রী ওইবা তম্‌থিনা কন্নবা, য়েক্লব পূম্ব মায়োক্নবা ওম্বা অর্জ্জুনবু ঐনা ওসি হাৎকনি ॥১২॥ ঈশিং পুন্বগী হৌরককম্ অমদি তুংনকম্ ওইরবা, শাফু কন্নবা, চাংজো

প্রযুক্তঃ শাণসংস্থানযোগাৎ মর্মচ্ছিদো বীরহণঃ সুপত্রান্ ।
কুন্তীপুত্রং প্রতিযোৎস্যামি যুদ্ধে জ্যাঃ কর্ষতাযুক্তমস্ত লোকে ॥১৪॥
এবং বলেনাতিবলং মহাস্ত্রং সমুদ্রকল্পং সুদুরাপমুগ্রম্ ।
শরৌঘিণং পার্থিবান্ মজ্জয়ন্তং বেলেব পার্থমিষুভিঃ সংসহিষ্যে ॥১৫॥
অদ্যাহবে যস্য ন তুল্যমন্যং মন্যে মনুষ্যং ধনুরাদদানম্ ।
সুরাসুরান্ যো যুধি বৈ জয়েত তেনাদ্য পশ্য যুদ্ধং সুঘোরম্ ॥১৬॥
অতীবমানী পাণ্ডবো যুদ্ধকামো অমানুষৈরেষ্যতি মে মহাস্ত্রৈঃ ।
তস্যাস্ত্রমস্ত্রৈঃ প্রতিহত্য সংখ্যে বাণোত্তমৈঃ পাতয়িষ্যামি পার্থম্ ॥১৭॥
দিবাকরেণাতিসমং তপন্তং সমাপ্তরশ্মিং যশসা জ্বলন্তম্ ।
তমোনুদং মেঘ ইবাতিমাত্রং ধনঞ্জয়ং ছাদয়িষ্যামি বাণৈঃ ॥১৮॥
বৈশ্বানরং ধূমশিখং জ্বলন্তং তেজস্বিনং লোকমিমং দহন্তম্ ।
মেঘো যথা শরবর্ষৈস্তথাহং কুন্তীপুত্রং শময়িষ্যামি যুদ্ধে ॥১৯॥

লাইজ্রবা সমুদ্রনা জীং শানবা পুম্নকপু লুপহল্লনি তাউহল্লনি হায়বগী মতাওদ্ ঈংক ঈপোম্‌গা লোয়ননা কুঞ্জিল্লকপা সমুদ্র ইপাকতুবুম্ তোর্বাবা থংখিও খিওটী ॥১৩॥ অগৎ অসিদা মহাধনুর্দ্ধারীনি হায়না কাওরবা লাল হৈবগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্নবা অর্জ্জুন হায়বহুনা অকনবু হাৎওবা মীগী থম্মোয় খিনগাইবা; কাপথোকথিবদা অয়েম্বদা মাঙজবা, তেন্ন কজনা পান্নবা তেল মপেৎপেৎপেবু ঐঙোল্লোম্‌দা কাপশিল্লকনি । মতম্ অদুদা কর্ণ ঐনা খোঙকম্ নামত লেওদনা মাগী মাঙোঙ্ ঙাগনি ॥১৫॥ শল্য ! মাগা মান্নবা লাগী অমত অগত্ত লৈতে হায়না ঐনম্ম খঙলিবা, লাই-হিংচাব পুম্নবু মথন্তনা জয় তৌথিবা অর্জ্জুন হায়বহুপা ঐগা ঐথোয় অনীগী অকিবগী মশক্ ওইরবা লাল অদো ঙসি উহৌরো ॥১৬॥ মানা মহেন্নে হায়না নাপল তৌরবা, থোয়রব, লাল পান্নবা অর্জ্জুননা লাইগী খুৎলায়মক কাপকাপ্তুনা ঐগী মাঙদা হোক্তিল্লকপা মতম্‌দা মাগী খুৎলায় ময়াম্ অদুবু ঐনা থিংচনা থম্নগা ঐম্ন ঐগী লৈজবা খুৎলায় মখৈ শীজিন্নহুনা মাবু লানকম্‌লা তুহনগনি ॥১৭॥ নোংনা নুমিৎপু কুপশিলবহুওয়া, নুমিৎকী মতৌওয়া তেজ লৈয়বা, মিংচৎনা মায়গৈ মরীদা ওান্নবা অর্জ্জুনবু ঐনা ঐগী তেলগী মপেনা কুপশিলহনগনি ॥১৮॥ মৈখুগা মৈমিগা লোয়ননা ক্রং ক্রং চান্নবা, অগৎ পুম্নবুম্ন চাক্‌থেকপা ওাবা মৈবু নোংনা মরী মরী চুপয়ক্‌না মুথৎপহুওয়া মৈগী মশক্ ওইরবা অর্জ্জুনবু ঙসি ঐনা ঐগী তেলনা অগৎ অসিকী মুথৎকনি ॥১৯॥ মহ পুরবা জীবনা চৌকপগী মাইবনা মন্নবা যন্নবা অমদি হিদোয় অকিবগী মশক্ ওইরবা

আশীবিষং দুর্দ্ধরং বৈ সুঘোরং সুতীক্ষ্ণদংষ্ট্রং জ্বলনপ্রভাবম্।
ক্রোধপ্রদীপ্তমহিতং দহন্তং কুন্তীপুত্রং শময়িষ্যামি ভল্লৈঃ ॥২০॥
প্রমাথিনং বলবন্তং প্রহারিণং প্রভঞ্জনং মাতরিশ্বানমুগ্রম্।
যুদ্ধে সহিষ্ণে হিমবানিবাচলো ধনঞ্জয়ং ক্রুদ্ধময়ুক্তমানম্ ॥২১॥
বিশারদং রথমার্গেষু শক্তং ধুর্য্যং নিত্যং সমরেষু প্রবীরম্।
লোকে বরং সর্বধনুর্দ্ধরাণাং ধনঞ্জয়ং সংযুগে সংসহিষ্যে ॥২২॥
অস্তাহবে যস্য ন তুল্যমন্যং মন্যে মনুষ্যং ধনুরাদদানম্।
সর্বামিমাং যঃ পৃথিবীং বিজিগ্যে তথা বিষান্ যোৎস্যমানোঽস্মি তেন ॥২৩॥
যঃ সর্বভূতানি সদেবকানি প্রস্থেঽজয়ৎ খাণ্ডবে সব্যসাচী।
কো জীবিতং রক্ষমাণো হি তেন যুযুৎসেদ্বৈ মাদৃতে মানুষোঽন্যঃ ॥২৪॥
মানী দৃঢ়াস্ত্রঃ কৃতহস্তযোধী দিব্যাস্ত্রবিচ্ছ্বেতহয়ঃ প্রমাথী।
তস্যাহমদ্যাতিরথস্য কায়াচ্ছিরো হরিষ্যামি শিতৈঃ পৃষৎকৈঃ ॥২৫॥

ময়া থৌরবা, মৈশুয়া তেজ লৈবা মহূ পুরবা লিলবু তেহনবা ওম্বা অচুগুম্বা ঐনা ওসি ঐগী তা মচিন শাবা তেস্তনা অর্জ্জুনবু তেহনগনি-হাৎকনি ॥২০॥ চীওমান পুম্ববু পুম্লেও লেওহনবা শাফু কল্লবা, হৈপাল সৈপাল উরী রারী পুম্নমকপু কোয়দৎপা ওম্বা, অকিবগী মশক ওইরবা নুংশিৎকী গতি অন্থবু হিমালয়না নাচুংদনা থিংবা অন্থগী মতৌগুম্বা ঐস্থ শাফু কল্লবা। শাউনা লাল্লবা অর্জ্জুন অন্থবু থিংহুনা থম্গনি, জয় তৌগনি ॥২১॥

লাল্লোং মথল মথল হৈবা　　　য়েক্লবশিংবু হাৎওম্বা
মপান নাইত্রবা তেঙ্গোলপুবা,　　খ্বাইদগী কনবা অকনবা
জগত্ত মিংচম্ম থোইনা কাওরবা;　　লীক্লং পায়বগী অথোইবা
হোৎনগনি ঐনা মাবু ওম্নবা,　　থিংগনি মাবু শল্য অকনবা। ॥২২॥
থত্তিও লৈতে জগত্তা মাওম্ব,　　মথস্তনা পৃথিবীবু জয়তৌবা।
খণ্ডন খণ্ডনা শোক্লনি অকনবা।　　হোৎননি লান্দা মাবু ওম্নবা ॥২৩॥
মথস্তনা লাইয়াম্বু ওমহুনা,　　খাণ্ডবপু মৈদা কৎথিবা
জীব পুম্ববু মৈনুংদা চাকহনবা,　　'হুওম্ব অর্জ্জুনগী মমাঙদা
কর্ণ ঐ নত্তনা জগত্তা কনানা　　লেপকনি হায়রু মমাঙদা ॥২৪॥

শল্য। অর্জ্জুন হায়বদো য়ায়া থোয়বনি। থোয়বগী মতীক হৈবনি, হৈবগী মতীক কনবনি। মখুৎ থুবনি শরৈশম্বাৎ হৈবনি, থুৎলায় পুম্বদা মখুৎ লোয়রবনি। মীয়মলেন্স লাইয়মলেন অনী-মকী বিদ্যা পুম্বা হৈরবা মীনি হায়বা ঐ খঙ্ডি। অতুবু ওসিন্দি অতিবগী ওইরবা অর্জ্জুন মহাকী

যোৎস্যাম্যহং শল্য ! বলশ্রেয়ন মৃত্যুং পুরস্কৃত্য রণে জয়ং বা ।
অন্যো হি নাস্ত্যেকরথেন মর্ত্ত্যো যুধ্যেত যঃ পাণ্ডবং মৃত্যুকল্পম্ ।২৬।
তস্মাহবে পৌরুষং পাণ্ডবস্য জয়াং হৃষ্টঃ সমিতৌ ক্ষত্রিয়াণাম্ ।
কিং ত্বং মূর্খঃ প্রসভং মূঢ়চেতাঃ সমাবোচঃ পৌরুষং ফাল্গুনস্য ।২৭।
অপ্রিয়ো যঃ পুরুষো নিষ্ঠুরো হি ক্ষুদ্রঃ ক্ষেপ্তা ক্ষমিণশ্চাক্ষমাবান্ ।
হন্যামহং তাদৃশানাং শতানি ক্ষমাম্যহং ক্ষময়া কালযোগাৎ ।২৮।
অবোচস্ত্বং পাণ্ডবার্থেঽপ্রিয়াণি প্রধর্ষয়ন্ মাং মূঢ়বৎ পাপকর্ম্মা ।
মর্য্যার্জ্জবে জিহ্মমতির্হতস্ত্বং মিত্রদ্রোহী সাপ্তপদং হি মৈত্রম্ ।২৯।
কালস্ত্বয়ং প্রত্যুপযাতি দারুণো দুর্য্যোধনো যুদ্ধমুপায়মদ্‌যৎ ।
তস্যার্থসিদ্ধিং ত্বভিকাঙ্ক্ষমাণস্তমস্তসে যত্র নৈকাত্ম্যমস্তি ।৩০।

মগুকপু কর্ণ ঐনা ঐগী থৌরবা তেম্না নৈমায় থক্ত কেলহনগে ॥২৫॥ শল্য ! ওসি ঐনা জময়া মৃত্যুমা অনীসিগী ময়ক্ত জমগীদমক্ত অর্জ্জুনগা থেংনগদৌরিবনি । ময়মদি কৌরব লাম্মীশিংসিগী মনুংদা যমরাজগা মান্নবা অর্জ্জুনগী মায়োক্ য়াগদব নিপাদি কর্ণ ঐ নত্তনা কনা অমত লৈতে ॥২৬॥ শল্য ! ক্ষত্রিয় সমাজদা অকনবগী গুণথওবা অকনবা খ্বাইগী মাওদা পাণ্ডুগী মচা অর্জ্জুনগী মথৌনা মরিল মপাঙ্গলগী মহিমাবু তশেংনা পূক্নীং শেংনা লীপোকপা ওমমি । নংওম্বা অপওবা অমনা মকম্ ময়াং ঈথও খওদনা অর্জ্জুনগী মগুণ থাগৎপা ওম্বা ? ॥২৭॥ তাসদা নুংঙাইতবা, পূক্নীং মৈথবা য়াহৈবু তত্তনা ওাওবা পূকচেল পীকপা, মকম্ থওদনা মীবু থাগৎপা অহুওম্বা মীশকপু চাম চাম্ন লিশিং লিশিংবু ঐনা খুদক্ত হাৎলিবনি । অদুবু শল্য ! অহুওম্ব মতমদো হৌজিক্ থোক্‌ত্রে । য়াম্ন লুয়বা চিন্নবা, মতম অমনি । অদুনা দেশকাল য়েংদুনা ঐনা নংগী নথরাই কনবিয়বনি ॥২৮॥ নংদি লাল্‌কম্‌দা পাপকী থবক্ য়াম্না তৌরবনি । মীগী সারথি ওইবিনি হায়দুনা লাক্লগা, খ্বাইদগী পওবা অমওয়া লালকমদা য়েক্নবা অর্জ্জুনগী মগুণ থাগত্তুনা রথী ওইরিবা ঐগী পূক্নীং মৈথয়ি । মনুংদা কনা য়াম্না ঐবু নুংশিত্রবস্থ মপানগী চৎনবী নথৌদি কজনা পাওথোকদবনি । সারথি ওইরিবা নহাক্না রথী ওইরিবা ঐগা পূক্নীং য়াম্ন চমথোক নগদবনি । অমগ অমগা তাথোক তাশিন তৌনগদৌবনি । অসুম্ তৌনগদবা মতম সিদা নবুকচেল থোয়বা, বিশ্বাস ঘাতক ওইরবা নহাক্না মিত্রদ্রোহী ওইদুনা নশাদা পাপ চওহজ্জুরবনি । শিনকম্ মাম্নববু মিত্র কৌবনি । নংগা ঐগা লালকম্ অমতদা রথ অমতদা চওশিনমিন্নরকলি । ঐখোয় অনী হৌজিক্ মিত্র (মজাপ) হায়বদু ওইমিন্নরবনি । লম্বীদা থোজাপ তয়েত্তা চৎমিন্নবদা শক্ খওনদবা অনীদো মিত্র ওইনরবনি ॥২৯॥ তম্‌থিনা অকিবগী মশক্ ওইরবা মতম্‌দো লাক্লবনি । দুর্য্যোধন মশামক্ লাক্লংঙে । ঐদি মাগী

মিত্রং মিদের্নন্দতেঃ প্রীয়তের্বা সংত্রায়তেমিনুতের্মোদতের্বা।
ব্রবীমি তে সর্ব্বমিদং মমাস্তি তচ্চাপি সর্ব্বং মম বেত্তি রাজা ॥৩১॥
শক্রঃ শদেঃ শাসতের্বা শ্যতের্বা শৃণাতের্বা শ্বসতেঃ সীদতের্বা।
উপসর্গাদ্বহুধা সূদতেশ্চ প্রায়েণ সর্ব্বং ত্বয়ি তচ্চ মহ্যম্ ॥৩২॥
দুর্য্যোধনার্থং তব চ প্রিয়ার্থং যশোঽর্থমাত্মার্থমপীশ্বরার্থম্।
তস্মাদহং পাণ্ডববাসুদেবৌ যোৎস্যে যত্নাৎ কর্ম্ম তৎ পশ্য মেঽদ্য ॥৩৩॥
অস্ত্রাণি পশ্যাদ্য মমোত্তমানি ব্রাহ্মাণি দিব্যান্যথ মানুষাণি।
আসাদয়িষ্যাম্যহমুগ্রবীর্য্যং দ্বিপো দ্বিপং মত্তমিবাভিমত্তঃ ॥৩৪॥
অস্ত্রং ব্রাহ্মং মনসা তদ্ধ্যজয্যং ক্ষেপ্স্যে পার্থায়াপ্রমেয়ং জয়ায়।
তেনাপি মে নৈব মুচ্যেত যুদ্ধে ন চেৎ পতেদ্বিষমে মেঽদ্য চক্রম্ ॥৩৫॥

থবক্ পাণ্ডথোক্লবগী দমক্তা, মাগী জয়গী আশা তৌহুনা লাকপনি। অদুবু নহাক্না তৌগে থাজিবা, ঙাওথোক শকতোক লকলিবা অসিনদি মাগী থবকসি সিদ্ধ ওইনি হায়বা থাজবুক্নে ॥৩০॥ শল্য! মিত্র হায়বা শব্দসে মিদ, নন্দ, প্রী, মি নত্রগা মুদ ধাতুদগী থোকপনি। 'নু শিনবা "পুক্নীং হোদোক্‌মিন্নবা" হায়বনি। শল্য! নঙোন্দা থাজেশেনা হায়দোক্‌লিবসিনি দুর্য্যোধনগী মকমুদা ঐগী থম্মোয়দ লৈরবা নুংশিবা-চান্নবা, পুক্নীং হোদোকনবা, অমন অমগী কনব থন্নবা, নোকমিন্নবা নুংঙাইমিন্নবা লৈরিবা পুম্বসে মহাক্না লোইনা খঙবনি। ঐনসু মাগী মাদু পুম্নমক্ লোইনা খঙি ॥৩১॥ অদুগা, শল্য! "শত্রু" হায়বা শব্দ অসিনা শদ, শাস্, শো, শৃ, শ্বস্ যদ্ ধাতুদগী অমদি উপসর্গ মখল্ মখল হাপ্তুনা "সূদ্" ধাতুদগী থোকখিবনি। হায়রিবা ধাতুশিং অসিগী অর্থসি নংনা ঙাওথোরকলিব য়াইহেশিং অদুদা ঈথেংন্ত থেংনৈ। হায়রিব ধাতুশিং অসগী মশাদা ব্যাকরণদা— মীগী মান মর্য্যাদা মাঙহনবা, মীবু নমহৎপা, মীগী পুক্নীং লৈথব, হিংসা তৌবা, তন্‌হনবা মীনমথবা, অসিনচিংবা অর্থশিং অসি য়াওরি। অদুনা রাঙাও খুদিংদা নং অসি শত্রুনি হায়বদু অদুম তাকল্লে ॥৩২॥ অদুনা কর্ণ ঐনা ঙসি লান তৌগদৌরিবসে দুর্য্যোধনগীদি কান্নবা, শল্য নংগীদি থাজনবা কর্ণ ঈশাগীনা মিংচৎ কংননবা রাশক ঙাক্লনবা, ঈশ্বরগীনা ঈথৌ তৌহুনা মাগী পেম্নবা হোৎনবা অসিগী দমক্তনি। অদুনা উদ্দেশ্যশিং অসি পাঙথোক্লনবা ঐ ঙসি অর্জ্জুনগা কৃষ্ণগা থেংনগনি। হায়রিবসে চুমত্রা-চুমদত্রা হায়বসু নহাক য়েংঙু ॥৩৩॥ শল্য! নং ঙসি, ঐগী ব্রহ্মলোককী স্বর্গগী মর্ত্ত্য-লোককী খুৎলায় মখল মখল অসিসু য়েংঙু। ময়াম কন্নবা মচুম্ তারবা শামু অমনা মমান্নবা শামু অমগী মথক্ত চোংথন্তুনা আক্রমণ তৌবা অদুগুম্না কর্ণ ঐনা অর্জ্জুনদা কনম্না আক্রমণ তৌশিনবগে হায়ব অদুসু য়েংউ ॥৩৪॥ ঐনা ঙসি, পুক্নীং রাখল মরুদু জয় তৌবা ঙম্‌দবা,

বৈবস্বতাদ্দণ্ডহস্তাদ্বরুণাদ্বাপি পাশিনঃ। সগদাদ্বা ধনপতেঃ সবজ্রাদ্বাপি বাসবাৎ ॥৩৬॥
অন্যস্মাদপি কস্মাচ্চিদমিত্রাদাততায়িনঃ। ইতি শল্য ! বিজানীহি যথা নাহং বিভেম্যুত ॥৩৭॥

(যুগ্মকম্)

তস্মান্ন মে ভয়ং পার্থাত্তাপি চৈব জনার্দ্দনাৎ। সহ যুদ্ধং হি মে তাভ্যাং সাম্পরায়ে ভবিষ্যতি ॥৩৮॥
কদাচিদ্বিজয়স্যাহমস্ত্রহেতোরটন্ নৃপ ! । অজ্ঞানাদ্বিক্ষিপন্ বাণান্ ঘোররূপান্ ভয়ানকান্ ॥৩৯॥
হোমধেন্বা বৎসমস্য প্রমত্ত ইষুণাহনম্। চরন্তং বিজনে শল্য ! ততোঽন্বব্যাজহার মাম্ ॥৪০॥

(যুগ্মকম্)

যস্মাত্ত্বয়া প্রমত্তেন হোমধেন্বা হতঃ সুতঃ। শ্বভ্রে তে পততাং চক্রমিতি মাং ব্রাহ্মণোঽব্রবীৎ ॥৪১॥
যুধ্যমানস্য সংগ্রামে প্রাপ্তস্যৈকায়নং ভয়ম্। তস্মাদ্বিভেমি বলবদ্ব্রাহ্মণব্যাহৃতাদহম্ ॥৪২॥

(যুগ্মকম্)

এতে হি সোমরাজান ঈশ্বরাঃ সুখদুঃখয়োঃ। অদাং তস্মৈ গোসহস্রং বলীবর্দ্দাংশ্চ ষট্‌শতান্।
প্রসাদং ন লভে শল্য ! ব্রাহ্মণাদ্দ্বিজর্ষভ ! ॥৪৩॥

কদায় কাওবা তেজ লৈবগে হায়বদু থওকম্ থোক্তবা ব্রাহ্ম কৌব খুৎলায়বু অর্জ্জুনগী মথক্ত শীজিন্নগনি। ঐগী রথগী চাকানা করিগুম্বা লৈমুংদকা ফুমজিনগ্রবদি খওদ্রে, অদু নত্রবদি ঐগী খুদগী অর্জ্জুন হসি লীথে বপা য়ারয়েইদৌবনি ॥৩৫॥ শল্য। নংস্থ অসিমদি খওজিন্দুনা মথমু :— মথুম্ভ দণ্ড পায়বা যমরাজ, থৌরী পায়বা বরুণ, গদা পায়বা বরুণ, অদুগ বজ্র পায়বা ইন্দ্র — চায়রিবশিং অসিদা বর্ণগী অকিবা অমত লৈতবনি। শম্ন হায়রবদা জগত্ত লৈবা খুৎলায় পায়বা কনা অমতবু ঐনা বিদে ॥৩৬—৩৭॥ অদুনা ঐ বৃষ্ণবুস্থ কিদে, অর্জ্জুনবুস্থ কিদে। মথোয় অনীগা ঐগা করম্না থেংনবগে হায়বদুস্থ ওহাক্ত ভায়য়েদনা নংনা উগদবা ॥৩৮॥ নিংথৌ শল্য। মমাঙৈগী য়ানি ; নোংম ঐনা খুৎলায় অভ্যাস তৌকগে হায়দুনা বিজয় কৌব ব্রাহ্মণ অমগী আশ্রম মনাক্ত অমুম্ চৎনা চৎনা ঐগী থোর থৌরবা তেলশিং অদু অমুম্ কাপ কাপতুনা লাকপদা থওহৌ উহৌ-দদুনা ব্রাহ্মণ অসিগী যজ্ঞগীদমক থম্লিবা শম্বী অদুগী মচা শন্নাউ অদু হাৎলুরে। মতম্ অদুদা অচৌকপা লম্‌হাং অদুদা থোরকতুনা বিজয় হায়বা ব্রাহ্মণ অসিনা ঐঙোন্দা অমুম্না হায়খি :— ॥৩৯—৪০॥ "হৈ : ! নংনা খুৎলায় ঔরাইবদ থৌওইদদুনা, নমীৎ পান্দদুনা, ঐগী হোমধেনুগী মচাবু হাত্তোকপিরে। মাসিগী মহৈনা, হয়েং নং চেংলবা মতমদা লালকম্দা অকিবা মিপাইবা কংবা ওইসনু। নংগী রথগী চাকা অদো লৈমুংদা পুথবা ওইসনু।" শল্য। রাহৈশিং অদো ঐ হৌজিক্ত নীশিংলকলি, অদুনা মাহুতনি ঐনা হৌজিক চিংনরিবসি ॥৪১—৪২॥ মদ্ররাজ। লম্ অদুদা লৈবশিংগী নিংথৌদি ইন্দ্রদেব নি। অদুনা মথেংদুনা অশাউংদগী হায়দোকখিব, মুংভাইবদগী হায়দোকখিবা

ঈশাদন্তান্ সপ্তশতান্ দাসীদাসশতানি চ। দদতো দ্বিজমুখ্যো মে প্রসাদং ন চকার সঃ ॥৪৪॥
কৃষ্ণানাং শ্বেতবৎসানাং সহস্রাণি চতুর্দ্দশ। আহরন্ ন লভে তস্মাৎ প্রসাদং দ্বিজসত্তমাৎ ॥৪৫॥
ঋদ্ধং গৃহং সর্ব্বকামৈর্যচ্চ মে বস্তু কিঞ্চন। তৎ সর্ব্বমস্মৈ সৎকৃত্য প্রযচ্ছামি ন চেচ্ছতি ॥৪৬॥
ততোঽব্রবীন্মাং যাচন্তমপরাদ্ধং প্রযত্নতঃ। ব্যাহৃতং যন্ময়া সূত। তত্তথা ন তদন্যথা ॥৪৭॥
অনৃতোক্তং প্রজাঃ হন্যাত্ততঃ পাপমবাপ্নুয়াম্। তস্মাদ্ধর্ম্মাভিরক্ষার্থং নানৃতং বক্তুমুৎসহে ॥৪৮॥
মা ত্বং ব্রহ্মগতিং হিংস্যাঃ প্রায়শ্চিত্তং কৃতং ত্বয়া। মদ্বাক্যং নানৃতং লোকে কশ্চিৎ কুর্য্যাৎ সমাপ্নুহি ॥৪৯॥
ইত্যেতত্তে ময়া প্রোক্তং ক্ষিপ্তেনাপি সুহৃত্তয়া। জানামি ত্বাং বিক্ষিপন্তং জোষমাস্স্বোত্তরং শৃণু ॥৫০॥

সঞ্জয় উবাচ।

ততঃ পুনর্মহারাজ! মদ্ররাজমরিন্দমঃ। অভ্যভাষত রাধেয়ঃ সন্নিবার্য্যোত্তরং বচঃ ॥৫১॥

য়াহৈ অদুনা অয়া মুংঙাইবগী মহৈ অহম্ শোয়বা লৈতনা মপীগ্রে। শল্য! মতম্ অদুদা ঐনা ব্রাহ্মণ অদুদা শম্বী লিশিং অমগা শল্লাবা চাক্রককা পীগে হায়বদা মহাক্না য়াদ্রে। ঐনা মাগী অশাউববু কোকহনবা ঙম্থিদ্রে ॥৪৩॥ অদুদগী ঐনা অমুক্ মঙোন্দা লাঙ্গল অমমম্ঙম্না শাংলবা ময়াপানবা শামু চাদ্রেৎ অদুগা লোয়ননা মীনায় নিপা মুপী কয়া কয়া পীগে হায়না হায়জে; মাদুদসু ব্রাহ্মণ অদু য়াখিদ্রে ॥৪৪॥ অদুদগী অমুক্, অমমম্না শন্নাউমচা মচা অঙোব চেনবী শম্বী লিশিং তরামন্নি পীগে হায়দুনা পুক্নবদা মাদুসু ব্রাহ্মণ অদুনা লৌহায়বা য়াদ্রে। মাগী অশাউবদু কোকহনবা ঙমদ্রে ॥৪৫॥ অদুদগী অমুক, শজকজরবা পোচ্চেতনা থল্লবা কজরবা চাউরবা য়ুম্ অমগা লোয়ননা ঐগী লৈজন্নিবা হীয়াই পূম্নমক পীগে হায়জক্নবদসু য়াবিয়কদ্রে ॥৪৬॥ ঐ ব্রাহ্মণ নঙোন্দা য়ায় লান্নুরে। ঐগী ইরাল অসি ঙাকপিয়ু" হায়দুনা থুৎলোয়দুনা হয়া হয়া হায়জরবদা ব্রাহ্মণ অদুনা ঐঙোন্দা করি হায়য়কপগে হায়খদা "সূত! ঐনা হায়দোকঅবদুদি, শোয়দনা থোক্লগনি। থক শোয়ব য়ায়রোই—"—অসুম্না হায়রকই ॥৪৭॥ "মীনম্বা বাহৈনা মীবু য়ায় থীনা মাঙহন্নি। অদুনা হায়দোকখিবা বাবু শোয়হল্লবদি পাপী ওইগনি। অদুনা ধর্ম্মবু ঙাক্নবগী দমক্ মীনম্বা বা ঙাঙবা ঙমলোই ॥ ৪৮॥ মতুংদা নহাক ব্রাহ্মণগী মরল মাঙহন্নুগনু। নশানা অনুতাপ তৌজরিবসে অসি মক্তনা শল হাৎপগী প্রায়শ্চিৎ অদুদি তৌরে। অদুগা হায়দোকখ্রিবদুমদি মীনম্বা থক ঙইহনবা য়ায়রোই। অদুনা চেকশিন্নু ঐগী শাপ অদুগী মহৈদি নং কাল অমদা কংবা শোয়জবনি" ॥৪৯॥ শল্য! নংনা ঐবু য়ায়া তৌরবসু নংসি ঐগী মিত্র অমনি হায়দুনা ঐগী অচেৎ অকোম পুখা নঙোন্দা তেংনা হায়দোক্লবনি। নং ঐবু য়ায় নিন্দা তৌরে হায়বসে ঐখঙিঙ। করে অদুম ঙায়রে, তুমিন্ন লৈয়ো, ঐনা মতুংসিদা অমুক হায়গদৌরিবসি য়ুম্না তাও ॥৫০॥

সঞ্জয়না হায়ঃ— মহারাজ! য়েক্লবা ঙম্বা কর্ণনা, শল্যনা অমুক্ ঙাওগে তৌবদু খিংলগা

যত্তু নিদর্শনার্থং মাং শল্য ! ত্বমিহ ভাষসি। নাহং শক্যস্ত্বয়া বাচা বিভীষয়িতুমাহবে ॥৫২॥
যদি মাং দেবতাঃ সর্বা যোধয়েয়ুঃ সবাসবাঃ। তথাপি মে ভয়ং ন স্যাৎ কিমু পার্থাৎ সকেশবাৎ ॥৫৩॥
নাহং ভীষয়িতুং শক্যো বাঙ্মাত্রেণ কথঞ্চন। অন্যং জানীহি যঃ শক্যস্ত্বয়া ভীষয়িতুং রণে ॥৫৪॥
নীচস্য বলমেতাবৎ পারুষ্যং যত্ত্বমাত্থ মাম্। অশক্তো মদ্গুণান্ বক্তুং বল্গসে বহু দুর্মতে ॥৫৫॥
নহি কর্ণঃ সমুদ্ভূতো ভয়ার্থমিহ মদ্রক। বিক্রমার্থমহং জাতো যশোঽর্থঞ্চ তথাত্মনঃ ॥৫৬॥
সখিত্বেন সৌহার্দ্দান্মিত্রভাবেন চৈব হ। কারণৈস্ত্রিভিরেতৈস্ত্বং শল্য ! জীবসি সাম্প্রতম্ ॥৫৭॥
রাজ্ঞশ্চ ধৃতরাষ্ট্রস্য কার্য্যং সুমহদুদ্যতম্। ময়ি তচ্চাহিতং শল্য ! তেন জীবসি মে ক্ষণম্ ॥৫৮॥
কৃতশ্চ সময়ঃ পূর্বং ক্ষন্তব্যং বিপ্রিয়ং বচঃ। সময়ঃ পরিপাল্যো বৈ তেন জীবসি মদ্রক ॥৫৯॥
ঋতে শল্যসহস্রেণ বিজয়েয়ং পরানহম্। মিত্রদ্রোহস্তু পাপীয়ানিতি জীবসি সাম্প্রতম্ ॥৬০॥

অস্তুম্না হায়রকই:— শল্য ! নংনা ঐঙোন্দা খুদম্ ওইনা রায়ী অয় লিখিবদো মাহুনা ঐগী পুক্লিংদা অকিবা পীবদি থক্ য়ারোই ॥৫১-৫২॥ ইন্দ্রগা লোয়ননা লাইয়াম্না ঐঙোন্দা চংশিনরক্লবস্থু ঐ কন্নিমত কিদে। অদুনদি নংনা কৃষ্ণগা অর্জ্জুনগা মী অনীভগী মঙাণ তাহনবহুনা ঐঙোন্দা কয়ম্না অকিবা পোকহনগদৌরিবনো ? ॥৫৩॥ শল্য ! নংনা ময়ী শীংবুল কন য়াম্ন শীহনগু মাহুনা ঐগী পুক্লিংদা থম্মোয়দা অকিবা মিপাইবা পোকহনবদি থক্ য়ারোই। নংগী রহৈনা অকিব পোকহল্লুবা য়াব মীশক্তো এঙোন্দ লীক্লগদবনি। অহুক্তুষ মীশক্ অহ হায় থিরু চংলু ॥৫৪॥ তোল্লবা পুকচেল পিল্লবা মীনা ভম্বা হায়বনু মীবু চৈবা, পুক্লিং নৈরবা অসি কাওবতনি। মরম্ অদুদা নংনা ঐবু নিন্দা তৌরি। হৈ কত্রবা ! নংনা ঐগী গুণদি লোইনা শকপা ভম্দহুনা নাকল অমদা কৈরেংননা ঐগী নিন্দা তৌরি ॥৫৫॥ মদ্রনিংথৌ ! কর্ণনা পোকলিবসে কিননব নত্তে। মথৌ তৌহুনা জগত মিংচং তানগে হায়হুনা পোক্লিবনি ॥৫৬॥ শল্য ! অসি য়োনা থীনা ঐঙোনদা হায়রকাওবদা, নংনা ঐগী মাণ্ডদা হৌজিক কাওবা হিংহুনা লৈরিবসে ঐগী থম্মোয়দা লৈরিবা মীগুংশি থঙবা, মীগী মরাল ঙাকপি হৈবা, মরুপপু মু শিবা হায়বা ওপশিং অসে, অসিগী কৃপাদগীনি ॥৫৭॥ শল্য ! হৌজিক্ ঐনা তৌগনবা ইথৌ য়াম্না নকশিন্নক্লে, ধৃতরাষ্ট্রী অমদি ধৃতরাষ্ট্র মচাশিংগী অরুবা মতম অম থুংওরে। মাহুগী ভার পুম্নমকতু ইথক নম্মুনা লৈরি। অসিতনস্থু নংনা হৌজিক কাওবা হিংহুনা লৈব শারিবনি ॥৫৮॥ মদ্রগী মী ! নংনা সারথি ওইন্ত্রিভৈদা ঐনা নঙোনদা, নংনা থীনা হায়রবস্থু ভাগনি হায়না বাশকথোকখ্রে। বাশকতো ঐনা ঙাকপা তাথিবদগী নংনা হৌজিক কাওবা হিংহুনা লৈজরিবনি ॥৫৯॥ মেংথৌ, নং ইচাও চাউথোক্লমাক্লে। শল্য নংগুম্বা লিশিং অমনা ঐগী ইভেং পাংজবস্থু কর্ণ ঐ ইথত্তনা রেক্লবব্ জয় তোব ঙমগনি। অদুবু মিত্রদোহী ওইব হায়বসে মহাপাপকী মখক্তি হায়হুনা ঐনা হনবনি।

শল্য উবাচ।

মন্যে প্রলাপাঃ কর্ণৈতে যান্ ব্রবীষি পরান্ প্রতি। নতে কর্ণসহস্রেণ শক্যা জেতুং পরে যুধি ।৬১।

সঞ্জয় উবাচ।

তথা ব্রুবন্তং পরুষং কর্ণো মদ্রাধিপং তদা। পরুষং দ্বিগুণং ভূয়ঃ প্রোবাচাপ্রিয়দর্শনঃ ।৬২।

কর্ণ উবাচ।

ইদন্তু মে ত্বমেকাগ্রঃ শৃণু মদ্রজনাধিপ।। সন্নিধৌ ধৃতরাষ্ট্রস্য প্রোচ্যমানং ময়া শ্রুতম্ ।৬৩।

দেশাংশ্চ বিবিধাংশ্চিত্রান্ পূর্ববৃত্তাংশ্চ পার্থিবান্। ব্রাহ্মণাঃ কথয়ন্তঃ স্ম ধৃতরাষ্ট্রমুপাসতে ।৬৪।

তত্র বৃদ্ধঃ পুরাবৃত্তাঃ কথাঃ কশ্চিদ্দ্বিজোত্তমঃ। বাহীকদেশং মদ্রাংশ্চ কুৎসয়ন্ বাক্যমব্রবীৎ ।৬৫।

বহিষ্কৃতা হিমবতা গঙ্গয়া চ বহিষ্কৃতাঃ। সরস্বত্যা যমুনয়া কুরুক্ষেত্রেণ চাপি যে ।৬৬।

পঞ্চানাং সিন্ধুষষ্ঠানাং নদীনাং যেঽন্তরা স্থিতাঃ। তান্ ধর্ম্মবাহ্যানশুচীন্ বাহীকান্ পরিবর্জয়েৎ ।৬৭।
(যুগ্মকম্)

গোবর্দ্ধনো নাম বটঃ সুভাণ্ডং নাম চত্বরম্। এতদ্রাজকুলদ্বারমাকুমারাৎ স্মরাম্যহম্ ।৬৮।

অহুমক্তনা নংনা অসুক কুইনা চোক্তনা হিংহুনা লৈরিবনি ॥৬০॥ শল্যনা হায়। "কর্ণ। শাউগনু, ঐনা হায়বদি, নানা নাপলগা লোয়ননা নংগী য়েক্লব অকনবা অমবু করিস্নু ওইদনা হায়থদো মহুগীনি। নংনা ঙাংশক্লিবহুদি চীনকেং কবগী অহুক ঙাওজবা হায়বা অহুনি। য়েংউ। কর্ণ। শল্য ঐসু নংগুম্বা কর্ণ লিশিং অমনা ইত্তেং পাংবিগ্রবসু ইৎত্তনা য়েক্লবা পুম্ববু জয় তৌব ঙমগদৌরিবনি ॥৬১॥" সঞ্জয়না হায়ঃ—শল্যনা অসুম্না হায়রকপসিদা কর্ণনা শাউবনা মমীত্ত ঈ কাথিহুনা হায়দগী শরুক্ অনী হেন্ন তম্থিরবা য়াহৈনা শল্যদা অসুম্না হায়রকই ॥৬২॥ মদ্ররাজ। পুক্নিং চঙনা তাজো। কনাগুম্বা ব্রাহ্মণ অমনা নোংম ধৃতরাষ্ট্রগী মকমদা লাক্তুনা হায়খিবদো ঐনা মুন্ন তাহৌই ॥৬৩॥ ধৃতরাষ্ট্রগী সভাদা, লম্ লম্ থুদিংদগী ব্রাহ্মণশিং লাকতুনা মমাঙৈগী পাল্লম্বা নিংথৌশিংগী জীবনচরিত হেক্ হেক পীহুনা নিংথৌবু পেলহল্লম্মী ॥৬৪॥ মখোয়হুগী মনুংদা কনাগুম্বা ব্রাহ্মণ অমনা নিংথৌগী মনাক্তা লাকতুনা বাহীকদেশ অমদি মদ্রদেশগী দোষ ময়াম্ অদো উৎতুনা নিন্দা তৌহুনা লৌথি ॥৬৫॥ হিমালয়গী মনাক্ত লৈতবা, গঙ্গা যমুনা, সরস্বতী, কুরুক্ষেত্র তীর্থনা দেশশিং অহুগী মনাক্ত লৈতবা চেন্দনা, অহুগা শিন্ধু, শতদ্রু, বিপাশা, ইরাবতী চন্দ্রভাগা বিতস্তা মখোয় অসিনা মরক্ত চেন্থবা, অহুগুম্বা বাহীক হায়বা দেশ অদো ধর্ম্মগী রাংমদা লৈব লম্নি, শেংদবনি। অহুনা, লম্শিং অসিবু থাদোকদবনি অহুগা মখোয়দা লৈব কনাগুম্বগা য়ামী য়াতাই কাও শারোইদৌবনি হায়খি ॥৬৬-৬৭॥ গোবর্দ্ধন কৌব বট পাম্বী অমগা সুভাণ্ড হায়বা লৌবুক্ লম্হাং অমগা অনী অসি বাহীক্ হায়বা দেশ অহুগী কোন্নুংগী ময়াদা লৈ। মহু ঐনা অঙাং ওইরিঙৈদগী

কার্য্যেণাত্যর্থগূঢ়েন বাহীকেষুষিতং ময়া। ততস্তেষাং সমাচারঃ সংবাসাদ্বিদিতো ময়া ॥৬৯॥
শাকলং নাম নগরমাপগা নাম নিম্নগা। জর্ত্তিকা নাম বাহীকাস্তেষাং বৃত্তং সুনিন্দিতম্ ॥৭০॥
ধানাগৌড়াসবং পীত্বা গোমাংসং লশুনৈঃ সহ। অপূপমাংসবাট্যানামাশিনঃ শীলবর্জ্জিতাঃ ॥৭১॥
হসন্ত্যথ চ নৃত্যন্তি স্ত্রিয়ো মত্তা বিবাসসঃ। নগরাগারবপ্রেষু বহির্মাল্যানুলেপনাঃ ॥৭২॥
মত্তাশ্চ গীতৈর্বিবিধৈঃ খরোষ্ট্রনিনদোপমৈঃ। অনাবৃতা মৈথুনে তা কামচারাশ্চ সর্ব্বশঃ।
আহরন্ত্যোন্যসূক্তানি প্রব্রুবাণা মদোৎকটাঃ ॥৭৩॥
হে হতে। হে হতেত্যেবং স্বামিভর্ত্তৃহতেতি চ। আক্রোশন্ত্যঃ প্রনৃত্যন্তি ব্রাত্যাঃ পর্ব্বস্বসংযতাঃ ॥৭৪॥
তাসাং কিলাবলিপ্তানাং নিবসন্ কুরুজাঙ্গলে। কশ্চিদ্বাহীকদুষ্টানাং নাতিহৃষ্টমনা জগৌ ॥৭৫॥
সা নূনং বৃহতী গৌরী সূক্ষ্মকম্বলবাসিনী। মামনুস্মরতী শেতে বাহীকং কুরুবাসিনম্ ॥৭৬॥

হৌনা নীঙশিংঙক্ত্রনা লাক্লি ॥৬৮॥ মমাঙৈদা ঐনা করিগুম্বা অরোন্‌বা অথুপ্পা থবক্ অমগীদমক বাহীক হায়রনা কৌধা লম্ অসিদা লৈরম্মী। মখোয়গা মতম্ খর লৈমিন্নরুবদগী লম্ অদুগী মীশিংগী আচার ব্যবহার অসি ঐ যাম্না ময়ম খঙডী ॥৬৯॥ দেশ অসিদা শাকাল কৌবা তুরেল্ অমগা আপগা কৌব তুরেল অমগা অনী চেল্লি। বাহীক হায়রিবা দেশ অসিদা লৈরিবা মীশিং অদু জর্ত্তিক হায়রগা খঙনৈ, যাম্না নিন্দা তৌনিংঙাই ওইব মী মক্তনি ॥৭০॥ লম্‌চৎ ব্যবহার মশক্ খঙদবা বাহীকশিং অসি কবোক চিনি অঙাংবগনা শুংব য়ুগা তিন্নদুনা থকই চায়। তীলহৌগা শনগী শাগা চায়। শা মহাউগা য়াম্নরগা মথল মথলগী চাক্ থোংদুনা চায় ॥৭১॥ দেশ অসিগী নুপী নহাশিং অসি য়ু য়াম থকই। মকিমরোল মকম্ খঙদনা ওন্থোক্ ওন্থোক্‌পা ফিরেপ্তা, লৈপরেংনচিংবা নীঙখিনুংঙাইবা পোশক্ লংথোকতুনা চেকপল্ ফুরামথকতা কাখত্রনা জগোঈ শাই, য়াম নোক্ থেদুনা লৈ ॥৭২॥ হায়রিবা দেশ অসিগী নুপীশিংনা য়ু থক্ত্রনা, ময়াম্ কাবা পোৎ চাদুনা গাধা অমদি উৎকী মতৌগুম্না লাউখোংদুনা, ঈহাও হাওবা মকম্‌দম্ মকিমরোল য়াওদনা চোংশিনবা চোংশিন্দুনা নিপাগা থেংগাইনৈ। নিপা নুপীশিং অদু অমগমগা অকাম্ অপেৎ য়াম্না ঙাওনদুনা নুংঙাইমিন্নৈ ॥৭৩॥ অশেং অমাং খায়দবী নুপীশিং অসিনা মখোয়গী কুম্মৈ কিয়োং মতম্‌দম্ হংগোইবা ঈকায়বা লৈতনা, মখোয় মশেল অমগমগা "ওক্তবী। ওকপমাইদবী! পেন্দবী!" অস্তুম্ হায়না কল্লক্ পেন্ন পেন্না নোক নোকতুনা চৈনৈ, মাগদা নুংঙাইজে, জগোঈ শানৈ ॥৭৪॥ বাহীক দেশগী অদুম ওইবী, কত্রবী নাপল তৌরবী, হেদো হেয়াউ কাপনবীশিং অসিগী কনাগুম্বা অথুপ্পা-অয়োনবা (মরুপী) নিপা অমনা কুরুদেশ অসিদা লৈদুনা মরক মরক্তা ঈশৈ অসি শক শক্ত্রনা হেক্ হেক্ কোয় ॥৭৫॥ মহাক অদুনা শকপা ঈশৈ অদু অসিনি:—

"ঐদি বাহীক লম্‌দম্‌দা, লৈবনি লৈয়েদো কুরুলম্‌দা।
কায়নহৌবী ঐগী নুংশিবী, মখোকাবী অভৌবীশা।

শতদ্রুকাং নদীং তীর্ত্ত্বা তাঞ্চ রম্যামিরাবতীম্। গত্বা স্বদেশং দ্রক্ষ্যামি স্থূলশঙ্খাঃ শুভাঃ স্ত্রিয়ঃ ॥৭৭॥
মনঃশিলোজ্জ্বলাপাঙ্গ্যো গৌর্য্যস্ত্রিককুদঞ্জনাঃ। কম্বলাজিনসংবীতাঃ কূর্দ্দন্ত্যঃ প্রিয়দর্শনাঃ ॥৭৮॥
মৃদঙ্গানকশঙ্খানাং মর্দ্দলানাঞ্চ নিস্বনৈঃ। খরোষ্ট্রাশ্বতরৈশ্চৈব মত্তা যাস্যামহে সুখম্ ॥৭৯॥
শমী-পীলু-করীরাণাং বনেষু সুখবর্ত্মসু। অপূপান্ সক্তুপিণ্ডাংশ্চ প্রাশ্নন্তো মথিতান্বিতান্ ॥৮০॥
পথিষু প্রবলা ভূত্বা কদা সম্পততোঽধ্বগান্। চেলাপহারং কুর্ব্বাণাস্তাড়য়িষ্যাম ভূয়সঃ ॥৮১॥
(যুগ্মকম্)

এবংশীলেষু ব্রাত্যেষু বাহীকেষু দুরাত্মসু। কশ্চেতয়ানো নিবসেন্মুহূর্ত্তমপি মানবঃ ॥৮২॥
ঈদৃশা ব্রাহ্মণেনোক্তা বাহীকা মোঘচারিণঃ। যেষাং ষড়্ভাগহর্ত্তা ত্বমুভয়োঃ শুভপাপয়োঃ ॥৮৩॥

পায়ব ফীজোল শেৎলবী, নীওশিংছুনা ঐবু মতমসিদা
য়াথস্তনা ঐবু কোন্দুনা, তুম্মিনিদকো নখোয় শকৃহেনবীশা।” ॥৭৬॥
“শতদ্রু ইরাবতী লান্দুনা, করম্ব পূকম্ থেনকম্‌দা
নুশি লমদমবু য়োৌরগা, মোইবুং থুজী চাউনশিবী
নখোয়বু উরসিগে ঐহাক্না, কায়না মৈচাক পুণম্‌জে।” ॥৭৭॥
“মনম্ নুংশিব মকুপ্ তৈত্তুনা, মীৎপান তরং তরংবীশা।
মীৎ-পীগুম লাইবক্তা, কাজল তৈবী কজবীশা।
ঙৌরবী থোৎলবী নখোয়গা, করম্ব নুমিৎতা উনগবা।” ॥৭৮॥
“ময়ায় কাবা মহী থক্তুনা, ঙাওজবনা মকম্ খণ্ডদনা
লোলা-উট-খচ্চর মথক্ত পুং শিঙ্গা মোইবুংগী
খোঞ্জেলগা লোয়ননা নখোয়গা, তোংমিন কোয়মিয়বদো
অহুগুম্ব নুংঙাইবা নুমিৎতো করম্ব মতমদা লাকবা।” ॥৭৯॥
“থোংনাং হৈত্রেং কুয়াউ চিগোংলৈ, পাম্বীনা থয়া হৌরবা লম্বীদা
য়ামদা ঈশিং তোৎলগা চাহুনা, লম্বী চৎপ মীশিংগী
মফি ময়োল্ মুন্দুনা, মখোয়বু ফুহুনা হাত্তুনা
মরম মথুম্ মুলহৌবদো, ওস্থোয়দি নুংঙাইবানকো।” ॥৮০-৮১॥

শল্য! অসিগুম্বা হৌনবা খণ্ডদবা, কামুক ওইবা, দুরানবা, দুট্ তৌবা মীনা লৈবা বাহীক কৌবা দেশগী মীনবু মীকুপ কয়া হিংহুনা লৈগনি? ॥৮২॥ শল্য! ব্রাহ্মণ অহনা বাহীক দেশদা লৈবশিংগী অসিগুম্বা কত্রবা স্বভাব অসি খুতয়াহুগী মমাঙদা হেক হেক লীখি। অসিগুম্বা প্রজাশিংনা তৌরিবা পাপকী থবকশিং অহুগী মহৈগী শরুক তরুক থোয়রপা শরুক অমদি নিংথৌ নত্তে

ইত্যুক্ত্বা ব্রাহ্মণঃ সাধুরুত্তরং পুনরুক্তবান্। বাহীকেষ্ববিনীতেষু প্রোচ্যমানং নিবোধ তৎ ॥৮৪॥

তত্র স্ম রাক্ষসী গায়তি সদা কৃষ্ণচতুর্দ্দশীম্। নগরে শাকলে স্ফীতে আহত্য নিশি দুন্দুভিম্ ॥৮৫॥

কদা বাহেয়িকা গাথাঃ পুনর্গাস্যামি শাকলে। গব্যস্য তৃপ্তা মাংসস্য পীত্বা গৌড়ং সুরাসবম্ ॥৮৬॥

গৌরীভিঃ সহ নারীভির্বৃহতীভিরলঙ্কৃতা। পলাণ্ডুবযুতান্ খাদন্তী চৈড়কান্ বহূন্ ॥৮৭॥ (যুগ্মকম্)

বারাহং কৌক্কুটং মাংসং গব্যং গার্দ্দভমৌষ্ট্রিকম্। ঐড়ঞ্চ যে ন খাদন্তি তেষাং জন্ম নিরর্থকম্ ॥৮৮॥

ইতি গায়ন্তি যে মত্তাঃ সীধুনা শাকলশ্চ যে। সবালবৃদ্ধাঃ ক্রন্দন্তস্তেষু ধর্ম্মঃ কথং ভবেৎ ॥৮৯॥

ইতি শল্য ! বিজানীহি হন্ত ভূয়ো ব্রবীমি তে। যদন্যোঽপ্যুক্তবানস্মান্ ব্রাহ্মণঃ কুরুসংসদি ॥৯০॥

পঞ্চ নদ্যো বহন্ত্যেতা যত্র পীলুবনান্যুত। শতদ্রুশ্চ বিপাশা চ তৃতীয়েরাবতী তথা ॥৯১॥

চন্দ্রভাগা বিতস্তা চ সিন্ধুষষ্ঠা বহির্গিরেঃ। আরট্টা নাম তে দেশা নষ্টধর্ম্মা ন তান্ ব্রজেৎ ॥৯২॥ (যুগ্মকম্)

ব্রাত্যানাং দাসমীয়ানাং বৈদেহানামযজ্বনাম্। ন দেবাঃ প্রতিগৃহ্ণন্তি পিতরো ব্রাহ্মণাস্তথা ॥৯৩॥

কংলগদবনি। নিংথৌ হায়বাসনা প্রজানা তৌবা অক কত্তগী পাপ পুণ্যগী শকক তরুক থোক্লগা শক্লক অমদি কংবনি খঙজ্রু ॥৮৩॥ শল্য। অশিক্ষিত ওইবা অনার্য্য ওইরবা নংগী প্রজাশিংগী মরমদা সাধু মহাত্মাশিংনা নিন্দা তৌ তৌহনা হায়থিবা রাশিংদো ঐঅমুক হাযগে তাও ॥৮৪॥ হিংচাবী অমনা কৃষ্ণপক্ষ খুদিংগী চতুর্দ্দশীগী অহিংদা শাকল কৌবা নগর অদুদা লাকতুনা ঢোল য়ৈ য়ৈহুনা অসুম্না শকই হায়নৈ:—॥৮৫॥

"শলগী মশা চাহুনা চুহীগী য়ু থকতুনা, য়াম্না পেঙ্গরে চায়রগ
তীলহৌ চনম্‌গা লোয়ননা, য়াউগী শদুম্ চারগা
তৌরবী মথোক্ কারবী, বাহীককী মুপীশিংহগা
সুংঙাইনা অসুম্ন শৈশক্লবদো, করম্বা মত্তমদা কংগবা।" ॥৮৬-৮৭॥

"ওক, য়েল, শল লোলা, উট, অমদি যাওগী মশা চাদবা মীশিংহুগী মপোকতো অয়েম্বনি অয়েম্ব।"—॥৮৮॥ অসুম্ হায়না শৈশক্লহুনা শাকাল বাসী মুপী অঙাং অহল লমন পূম্নমক্না তিম তিম্নহুনা, যুথক্তুনা লাউ লাউহুনা চৎলি। মথোয়হুগা নিংথৌনা অমদি প্রজানা ধর্ম্মগী মশক্ করম্না খঙগান ? ॥৮৯॥ শল্য।—নোংমা কৌরব সভাদা ব্রাহ্মণ থরম্থু লাক্তুনা মংগী প্রজাশিংগী স্বভাবকী মরমদা হায়রম্বদো ঐঅমুক হায়গে তাও ॥৯০॥ হিমালয়দগী খর লাপ্তক্না খোংনাং বট পাম্বী অম হৌরি। মাহুগী মনাক অকোয়বদা তুয়েল মঙা চেল্লি। হায়রিবা তুয়েল মঙাদি শতদ্রু, বিপাশা, ইরাবতী, চন্দ্রভাগা বিতস্তা কৌই। মথোয়গী মপুং ওইনা চাউরবা সিন্ধু কৌবা তুয়েল অম চেল্লি। অহুরাইগী দেশ অহু "আরট্ট" হায়না খঙনৈ। মকম্‌হুদা ধর্ম্ম ধর্ম্মগী করিগুম্বা বিচার অমত তৌনদে। অহুনা, ধর্ম্মচেনবা মীশিংনা মকম্ অহুদা থক্ চঙজ্রু রোইদোৱনি ॥৯১-৯২॥ বেদগী সংস্কারনচিংবা

তেষাং প্রনষ্টধর্ম্মাণাং বাহীকানামিতি শ্রুতিঃ। ব্রাহ্মণেন তথা প্রোক্তং বিদুষা সাধুসংসদি ॥৯৪॥
(যুগ্মকম্)

কাষ্ঠকুণ্ডেষু বাহীকা মৃন্ময়েষু চ ভুঞ্জতে। সক্তুবাট্যাবলিপ্তেষু শ্বাবলাঢ়েষু নির্ঘৃণাঃ ॥৯৫॥

আবিকঞ্চৌষ্ট্রিকঞ্চৈব ক্ষীরং গার্দ্দভমেব চ। তদ্বিকারাংশ্চ বাহীকাঃ খাদন্তি চ পিবন্তি চ ॥৯৬॥

পুত্রসঙ্করিণো জাল্মাঃ সর্ব্বান্নক্ষীরভোজনাঃ। আরট্টা নাম বাহীকা বর্জ্জনীয়া বিপশ্চিতা ॥৯৭॥

হন্ত শল্য! বিজানীহি হন্ত ভূয়ো ব্রবীমি তে। যদন্যোঽপ্যুক্তবান্ মহ্যং ব্রাহ্মণঃ কুরুসংসদি ॥৯৮॥

যুগন্ধরে পয়ঃ পীত্বা প্রোষ্য চাপ্যচ্যুতস্থলে। তদ্বদ্ভূতিলয়ে স্নাত্বা কথং স্বর্গং গমিষ্যতি ॥৯৯॥

পঞ্চ নদ্যো বহন্ত্যেতা যত্র নিঃসৃত্য পর্ব্বতাৎ। আরট্টা নাম বাহীকা ন তেষ্বার্য্যো দ্ব্যহং বসেৎ॥১০০॥

বহিশ্চ নাম হীকশ্চ বিপাশায়াং পিশাচকৌ। তয়োরপত্যং বাহীকা নৈষা সৃষ্টিঃ প্রজাপতেঃ।

তে কথং বিহিতান্ ধর্ম্মান্ জ্ঞাস্যন্তে হীনযোনয়ঃ ॥১০১॥

চৎনদবা, মন্না লৈনা লৈনা অতোপ্ন নিপা অমগা ভাণ্ডন শানবা, অহুদগী মপা মশক্ খণ্ডনা পোকৃপা তৌবিমল খণ্ডবা, হৌনবা খণ্ডবা, ধর্ম্ম মশক্ খণ্ডবা শা-ভাণ্ডয়া বাহীকশিং অহুনা পীবা-কৎপা দানতোবা করিগুয়া পোৎ অমত ব্রাহ্মণশিংনা লোদে হায়না কনাগুয়া ব্রাহ্মণনা হায়খিবসু তাহৌই। জ্ঞানী ওইরবা ব্রাহ্মণ অমনা সাধু মহাত্মাশিংগী সভাদা অসুম হায়খি হায়ঃ—॥৯৩—৯৪॥ লৈপাক্না নত্রগা উনা শাবা পাত্রদা য়াম্ৃগা চজীক তোৎলগা থম্বা অহুবু হুই অমনা লেক্তুনা চাপ্রবন্তু বাহীক দেশগী মীশিংনা অহুম্মক চায় ॥৯৫॥ বাহীকশিংদ য়াউগী, উটকী গাধাগী মখোম্ থকই চায়। অহুগা পোৎ অসিবু শঙ্গোম মহী আশনবগা য়ামওনসু চায় হায় ॥৯৬॥ লোম চারোল মোরোমহুনা পোকপ (বর্ণসঙ্কর) মপূকচেল পীক্লবা, য়াব য়াদবা থায়দনা পণ্ডচা চাবা শাপূমমকী মখোম্ থকপা বাহীক দেশগী মী.শং অহুযুসু "আরট্ট" হায়মগা অহুম্ খণ্ডনৈ। শাস্ত্র খণ্ডবাশংনা মখোয়হুগা মীকৃপ অমতসু সঙ্গ তৌদে, অহুগা তৌসু তৌয়োই দৌবনি ॥৯৭॥ শল্য! কৌরব রাজ সভাদা ব্রাহ্মণ অতোপ্ন অমনা হায়াখিবহুসু ঐনা তাহৌই। মাহু ঐ হায়গে, মুম্ন তাও ॥৯৮॥ উটনচিংবগী মখোম্ থকৃপা, ওক্তবী য়াম লৈবা মকম্দা লৈবা, অমাং অশোয় য়াম লংথবা কোমগী ঈশিংদা ইরুজবা অহুগুম মীশিংনা স্বর্গ কংগদবসি কদায়দনো ? ॥৯৯॥ শতদ্রু নচিংবা তুরেল মণ্ডা অসে হিমালয়দগী চেন্থরকলগা মখোয়সিনা কোম্লিবা লম্দম্ অদো আরট্ট হায়না খণ্ডনৈ। সজ্জন ওইবামীনা অুমিৎ নীনিগী দমকসু য়াইরেবতুনা লৈয়োইদৌবনি ॥১০০॥ বিপাশা কৌবী তুরেল অহুদা বাহি কৌবী পিশাচী (হিংচাবী) অমগা হীক কৌবা পিশাচ (হিংচাবা) অমগা লৈ। হৌজিক্ হায়রিবা বাহীক হায়রিবসে মখোয় অনীগী মচামশূমক্তনি। মখোয় অসে প্রজাপতি ব্রহ্মানা শেম্বা অমতা নত্তে। বহিগা হীকগা অনীনা পোকৃখিদগী বাহীক হায়হুনা অহুম্ খণ্ডনপ্রবনি। হিংচায়াইতহগী মচামশু ওইবা বাহীক কৌবাশিংসিনদি ধর্ম্মগী তত্ত্ব

কারস্করান্ মাহিষকান্ কালিঙ্গান্ কেরলাংস্তথা। কর্কোটকান্ বীরকাংশ্চ দুর্দ্ধর্মাংশ্চ বিবর্জয়েৎ ॥১০২॥
ইতি তীর্থানুসর্ত্তারং রাক্ষসী কাচিদব্রবীৎ। একারাত্রশয়ী গেহে মহোলুখলমেখলা ॥১০৩॥
আরট্টা নাম তে দেশা বাহীকা নাম তে জনাঃ। ব্রাহ্মণাপসদা যত্র তুল্যকালাঃ প্রজাপতেঃ ॥১০৪॥
বেদা ন তেষাং বেদ্যঞ্চ যজ্ঞো যজনমেব চ। ব্রাত্যানাং দাসমীয়ানামন্নং দেবা ন ভুঞ্জতে ॥১০৫॥
প্রস্থলা মদ্রগান্ধারা আরট্টা নামতঃ খশাঃ। বসাতিসিন্ধুসৌবীরা ইতি প্রায়ো বিকুৎসিতাঃ ॥১০৬॥
হন্ত শল্য! বিজানীহি হন্ত ভূয়ো ব্রবীমি তে। উচ্যমানং ময়া সম্যক্ ত্বমেকাগ্রমনাঃ শৃণু ॥১০৭॥
ব্রাহ্মণঃ কিল নো গেহমভ্যাগচ্ছৎ পুরাতিথিঃ। আচারং তত্র সংপ্রেক্ষ্য প্রীতো বচনমব্রবীৎ ॥১০৮॥
ময়া হিমবতঃ শৃঙ্গমেকেনাধ্যুষিতং চিরম্। দৃষ্টাশ্চ বহবো দেশা নানাধর্ম্মসমাবৃতাঃ ॥১০৯॥
ন চ কেন চ ধর্ম্মেণ বিরুধ্যন্তে প্রজা ইমাঃ। সর্বং হি তেঽব্রুবন্ ধর্ম্মং যদুক্তং বেদপারগৈঃ ॥১১০॥
অটতা তু ততো দেশান্ নানাধর্ম্মসমাকুলান্। আগচ্ছতা মহারাজ! বাহীকেষু নিশামিতম্ ॥১১১॥

করম্না খঙ্গনি ॥১০১॥ ধর্ম্ম লৈতবা, পাপীমক্তনা লৈবা কারস্কর, মাহিষক, কালিঙ্গ, কেরল, কর্কোটক, বীরকদেশ মখোয় অসি থাদোকদবনি। মখোয়সিদা য়ারিমথৈ থক্ চঙ্গ্ঙ্ মোইদোবনি ॥১০২॥ চাউরচাউরবা শূম্বল থোরী থাংবী হিচাবী অমনা তীর্থ চৎপা অমনা য়ায়রেক্লিবা মুম অদুদা নোংম অহিংদা ল্যাল্লগা অসুম্না হায়রৈ:—॥১০৩॥ ব্রাহ্মণ শাশিন্নবা ফত্রবা ব্রাহ্মণশিংনা লৈরিবা দেশ অদো আরট্ট কৌবনি। মাদুদা লৈবা মীনা "বাহীক" কৌই ॥১০৪॥ উপনয়ন (লুগুণ থাংবা) সংস্কারনাচিংবা য়াওদবা, চারোল্ মৌমোয়দুনা পোক্পা মকম অদুদা ব্রাহ্মণশিং অদুগী বেদগী আচার ব্যবহার, বেদশস্ত্রগী নিয়মগী মতুংইন্না যাগযজ্ঞ দেবপূজা-দান-ধর্ম্মনচিংবা তৌননবগী নিয়ম করিমত লৈতে! মরম্ অদুনা মকম্ অদুদা কনাগুম্বনা তৌবা দাননচিংবদো দেবতাশিংনা মীচ্ছিনকাও য়েংবিদে ॥১০৫॥ প্রস্থল, মদ্র, গান্ধার, আরট্ট, খশ, বসাতি, সিন্ধু, সৌবীর হায়রিবা দেশশিং অসে হিরম পুম্বদা নিন্দা তৌননীঙায়মক্তনি ॥১০৬॥ শল্য! মাসিমসু নঙাক মুম খঙ্গ্দুনা থম্মু। ঐনা হন্দক হায়গদৌরিবসে য়াম্না মুম্না পুরীংচঙনা তাও ॥১০৭॥ মমাইঙদা নোংম ব্রাহ্মণ অম অতিথিগী মশক্ লোৌদুনা ঐগী যুমদা লাকখি। ঐগী মুম অদুদা তৌরিবা আচার ব্যবহার উবদা পেল্লদুনা মহাক্না অসুম্না হায়খি ॥১০৮॥ "ঐ মতম কুইনা হিমালয়গী চীঙদোন্দা ইথন্ত বাস তৌদুনা লৈক্লরবনি। ধর্ম্মগী নিয়ম পুম্বা তেক্ কায়দনা চৎপা দেশ য়াম্না উরবলে" ॥১০৯॥ দেশশিং অদুদা লৈবা মীশং অদু অমনা অমগী ধর্ম্মবু মামক্লী ধর্ম্মগুম কিনা লূনা তৌই। অমগমগ ধর্ম্মগী মরমদা থক্ খৎনচৈনদে। ধর্ম্ম অমগী মীনা অতোপ্পা ধর্ম্মবু নিন্দা থক্ তৌদে। বেদখঙবা মীশিংনা চৎপা অমদি তাক্পা ধর্ম্মদুদনা মখোয়গী ধর্ম্মনি ॥১১০॥ মদ্ররাজ! ধর্ম্ম চেল্লবা লৈপাক্ ময়াম কোয়করবা তুংদা ঐনা বাহীকদেশদা

তত্র বৈ ব্রাহ্মণো ভূত্বা ততো ভবতি ক্ষত্রিয়ঃ। বৈশ্যঃ শূদ্রশ্চ বাহীকস্ততো ভবতি নাপিতঃ ॥১১২॥
নাপিতশ্চ পুনর্ভূত্বা ততো ভবতি ব্রাহ্মণঃ। দ্বিজো ভূত্বা তু তত্রৈব পুনর্দাসোঽভিজায়তে ॥১১৩॥
(যুগ্মকম্)

ভবত্যেককুলে বিপ্রাঃ প্রশিষ্টাঃ কামচারিণঃ। গান্ধারা মদ্রকাশ্চৈব বাহীকাশ্চাল্পচেতসঃ ॥১১৪॥
এতন্ময়া শ্রুতং তত্র ধর্মসঙ্করকারকম্। কৃৎস্নামবচীর্য্য পৃথিবীং বাহীকেষু বিপর্য্যয়ঃ ॥১১৫॥
হন্ত শল্য! বিজানীহি হন্ত ভূয়ো ব্রবীমি তে। যদপ্যন্যোঽব্রবীদ্বাক্যং বাহীকানাঞ্চ কুৎসিতম্ ॥১১৬॥
সতী পুরা হৃতা কাচিদারট্টাৎ কিল দস্যুভিঃ। অধর্মতশ্চোপযাতা সা তানভ্যশপত্ততঃ ॥১১৭॥
বালাং বন্ধুমতীং যন্মামধর্মেণোপগচ্ছথ। তস্মান্নার্য্যো ভবিষ্যন্তি বন্ধক্যো বৈ কুলেষু বঃ ॥১১৮॥
ন চৈবাস্মাৎ প্রমোক্ষ্যধ্বং ঘোরাৎ পাপান্নরাধমাঃ।। তস্মাত্তেষাং ভাগহরা ভাগিনেয়া ন সূনবঃ ॥১১৯॥
কুরবঃ সহপাঞ্চালাঃ শাল্বা মৎস্যাঃ সনৈমিষাঃ। কোশলাঃ কাশয়োঽঙ্গাশ্চ কালিঙ্গা মাগধাস্তথা ॥১২০॥

খুংলুবদা করি তাবগে হায়ববু দেশ অসিদ। বাহীকব্রাহ্মণ মশা অমতনা ক্ষত্রিয় বৈশ্য শূদ্র মথং মথং ওইরকই। অদুগী তুংদা নাপিত মচিনচিংবা ওই। অদুদগী মশা মথন্তনা অমুক ব্রাহ্মণ ওইরকই। অদুগা অমুক ব্রাহ্মণদি ওইরক্লে হায়ববু মীগী মীনায় অম অমুক্ ওইরকই ॥১১২-১১৩॥ অশেং অমাং মকম্ খণ্ডবা পুকচেল পীকপা, গান্ধার, মদ্র, বাহীক দেশগী ব্রাহ্মণশিংনা শাগে মশেল অমগমগা নুহোং খোঙদোংনৈ, লৌনৈ খোৎনৈ ॥১১৪॥ শল্য। কর্ণ ইশামক্না বাহীক দেশগী অসিগুম্বা বর্ণসঙ্কর পোক্লনবা ব্যবহার অসি উরবনি। পৃথিবী পুম্নমকী অতোপ অতোপ্পা ধর্ম্মগী অমদি লোকাচারগী তত্, পুম্বা উক্লখঙ্লুরবা তুংদা কোম্মংদা বাহীক দেশদা চৎনরিবা ধর্ম্মগী মথক মথা খোক্ তন্বা নিয়মশিংদো ঐনা উখি ॥১১৫॥ শল্য! বাহীক দেশবু খীনা তুক্কচনা হায়ব ব্রাহ্মণ অমগী মচিন্দগী তাখিবা ব়াশিংদো, ঐ নঙোন্দা অমুক হায়গে তাও ॥১১৬॥ মমাঙৈদা হুন্নানবা শহুল তৌবা মীশিংনা বাহীক দেশদগী সতী ওইবী নুপী অমবু লাক্‌্না কোম্মুনা ধর্ম্ম কায়না অত্যাচার তৌখি মতম্ অদুদা সতী অদুনা মখোয়দা শাপ তৌখি ॥১১৭॥ "ঐদি নুপী মচানি, ঐগী অহল লমন ওকজনসু লৈ। নখোয় ঐঙোন্দা ধর্ম্ম কায়না অত্যাচার তৌরে। অদুনা মখোয়গী নুপীনহা পুম্নমক মতুং কাওবা ওকখী অত্যাচারিণীমক ওইগনসু।" অস্নম্ হায়না শাপ তৌখি হায় ॥১১৮॥ অমুকসু নুপী অদুনা করম্ হায়না শাপ তৌখিবগে হায়ববুঃ—"হেঃ! নরাধমা পাপীশা! নখোয় পাপকী খবক্ অসিদগী মাহে কপা খক্ ঊবদবা ওইয়ু।" অসিগুম্বা শাপ অসি তৌখিবগী বাহীক দেশগী নিপাশিংগী ক্ষত্, (মমল মথুম্) গী মমল মধ্‌ম্ পুকগী উত্তরাধিকারীদি য়াম্না মক্লেমা পোকপশিংতনা ওই। মানা মানা পোকপা মচা নিপানা মপাগী মমল মথুম্ কনিবক কংয়ে ॥১১৯॥ কুরু, পাঞ্চাল, শাল্ব, মৎস্য, নৈমিষ, কোশল, কাশী, অঙ্গ

[illegible] [illegible] ধর্মং [illegible] শাশ্বতম্ । নানাদেশেষু [illegible] [illegible] [illegible]॥১১৯॥ ([illegible])

যা মৎস্যেভ্যঃ কুরুপাঞ্চালদেশ্যা যা নৈমিষাচ্চেদয়ো যে বিশিষ্টাঃ।
ধর্মং পুরাণমুপজীবন্তি সন্তো মদ্রানৃতে [illegible] [illegible]॥১২২॥
এবং বিদ্বান্ ধর্মকথাসু রাজন্। তূষ্ণীম্ভূতো জড়বচ্ছল্য। [illegible]ঃ।
ত্বং তস্য গোপ্তা চ জনস্য রাজা ষড়্ভাগহর্তা শুভদুষ্কৃতস্য॥১২৩॥
অথবা দুষ্কৃতস্য ত্বং হর্তা তেষামরক্ষিতা।
রক্ষিতা পুণ্যভাক্ রাজা প্রজানাং ত্বং ত্বপুণ্যভাক্॥১২৪॥

পূজ্যমানে পুরা ধর্মে সর্বদেশেষু শাশ্বতে। ধর্মং পাঞ্চনদং দৃষ্ট্বা ধিগিত্যাহ পিতামহঃ॥১২৫॥
ব্রাত্যানাং দাসমীয়ানাং কৃতেঽপ্যশুভকর্মণাম্। ব্রহ্মণা নিন্দিতে ধর্মে কত্থান্ কিঞ্চিদ্ ন বিদ্যতে ইতি॥১২৬॥
ইতি পাঞ্চনদং ধর্মমবমেনে পিতামহঃ। স্বধর্মস্থেষু বর্ণেষু সোঽপ্যেতান্ নাভ্যপূজয়ৎ॥১২৭॥

কলিঙ্গ, মগধ দেশগী মহাত্মা ওইবা, বেদ খঙবা ব্রাহ্মণশিংনা ধর্মগী তত্ত্ব মুল খঙবী অমসি নৈনৈ। তোল্লবা, পুকচেল পীরবা জাতিশিংগী মীনা খঙদে॥১২০-১২১॥ মদ্র অহুনা মৎস্য দেশগী কুরুদেশদা অহুগা পাঞ্চাল দেশদা অহুগা নৈমিষ দেশদগী চেদি দেশদা লৈব সজ্জনশিংনা হেন্না ধর্ম চেল্লি। মথোয় অমাখা ধর্মগী খবক তৌহুনা মপুন্সি লেল্লি। অহুগা মদ্রদেশদা লৈব, পঞ্চনদ (পঞ্জাব) দেশদা লৈব মীশিংনা ধর্ম কর্ম অহুক রাম্বা তৌহুনা মপুনশি লেহে॥১২২॥ অহুনা নিংথৌ শল্য। অহুনা মদ্রদেশদা পোকপা নহাক ধর্মগী রা [illegible] চৌনবাব খোংতদনি, থাজদে, তুমিন লৈয়ু। মরমদি অহুওবা পাপী ওইরবা প্রজাশিং অহুনা তৌবা পাপকী শরুক তরুক খোরুগা। শরুক অমনা পাপী ওইরিবা নিংথৌ নহাক্কি। পাপীগী মচিন্দগী [illegible]খোরকপা ধর্মগী রাবু ঐনা লৌখিগদ্রা? ॥১২৩॥ নিংথৌ অদু ওইরগা নংগী প্রজাশিংনা চৎলিবা পাপ কর্ম অহুদগী নংনা নিংথৌ অদু ওইনা খাঙ শিংবা তদে। নিংথৌনা চৎকদবা ধর্ম নীতি হায়রদি অসিনি। নিংথৌ অমনা তৌবা পুণ্য কর্ম হায়রবু অমী পাপী প্রজাশিংবু পাকী কর্মদগী থিংবা অহুতনি॥১২৪॥ মমাঙগী ধর্মগী [illegible] রাম্বা লৈনবা পণ্ডিতশিংনা [illegible] দেশগী ধর্মগী প্রশংসা অসুম্ তৌরকপদা বাহীক দেশগী মতাং [illegible] তুমিন লৈনৈ, [illegible] তৌনৈ নিন্দা তৌনৈ॥১২৫॥ [illegible] লৈতবা, [illegible] [illegible] পাপকী কর্ম তৌবা, [illegible] [illegible] চায়োল মৌমোনহুনা পোকপা বাহীকশিংগী [illegible] ধর্মগী বিধি অদু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] বাহীকশিংবু [illegible]॥১২৬॥ [illegible] অহুনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ওইনা ধর্মগী খবক তৌরবু [illegible] [illegible] [illegible] দেশগী ধর্মবু [illegible] [illegible] নিন্দা তৌরকপা [illegible] [illegible] বাহীকশিংগী ধর্মবু [illegible] [illegible] [illegible]

হত শল্য! বিজানীহি হত ভূয়ো ব্রবীমি তে। কল্মাষপাদসরসি নিমজ্জন্ রাক্ষসোঽব্রবীৎ ॥১২৮॥
ক্ষত্রিয়স্য মলং ভৈক্ষ্যং ব্রাহ্মণস্যাব্রতং মলম্। মলং পৃথিব্যা বাহীকাঃ স্ত্রীণাং মদ্রস্ত্রিয়ো মলম্ ॥১২৯॥
নিমজ্জমানমুদ্ধৃত্য কশ্চিদ্রাজা নিশাচরম্। অপৃচ্ছত্তেন চাখ্যাতং প্রোক্তবাংস্তন্নিবোধ মে ॥১৩০॥
মানুষাণাং মলং ম্লেচ্ছা ম্লেচ্ছানামৌষ্ট্রিকা মলম্। ঔষ্ট্রিকাণাং মলং ষণ্ডাঃ ষণ্ডানাং রাজযাজকাঃ ॥১৩১॥
রাজযাজকযাজ্যানাং মদ্রকাণাঞ্চ যন্মলম্। তত্তবৈব তব মলং যদস্মাংস্ত্বং ন মুঞ্চসি ॥১৩২॥
ইতি রক্ষোপসৃষ্টেষু বিষবীর্য্যহতেষু চ। রাক্ষসং ভেষজং প্রোক্তং সংসিদ্ধবচনোত্তরম্ ॥১৩৩॥
ব্রাহ্মং পাঞ্চালাঃ কৌরবেয়াস্তু ধর্ম্মং সত্যং মৎস্যাঃ শূরসেনাশ্চ যজ্ঞম্।
প্রাচ্যা দাসা বৃষলা দাক্ষিণাত্যাঃ স্তেনা বাহীকাঃ সঙ্করা বৈ সুরাষ্ট্রাঃ ॥১৩৪॥

ব্রহ্মাময়া নিন্দা তৌরিবনি ॥১২৭॥ শল্য। ঐ নঙোন্দা বা অময়া হায়খিগে, মুম তাও। নোংমা হিংচাবা অমনা কল্মাষপাদগী পুখ্রিদা লুপ্না লুপ্না অসুমা হায়খি ॥১২৮॥ "ক্ষত্রিয়গী অমাং অশোয়, হায়বসু ভীক্ষা তৌচনা চাবা, ব্রাহ্মণগী অমাংবা (বী) হায়বসু শাস্ত্রনা বিধান তৌদবা কর্ম্ম তৌবা, বেদকী নিয়ম ভাঙবা, পৃথিবী মাতাগী অমাংবা হায়না বাহীকশিংবু মথক্ত পুখিবা, জগৎকী নুপীশিংগী অমাংবা হায়বসু মদ্রদেশগী নুপীশিং অসিনি। হকচাংদগী খোকখিবা অমাংবদি থাংগৈশেংবা অমাংবা (বী) নত্তে" ॥১২৯॥ হিংচাবা অচুনা পুখ্রি অচুদা লুপখিদৌরবদা নিংথৌ অমনা মহাকপু থাংগৎ লৌথৎপিরগা মঙোন্দা হংবদা মহাক্না নিংথৌ অচুদা খুম্‌খিবা রাহ ঐ নীগে তাও ॥১৩০॥ পৃথিবীদা লৈরিবা মীগী অমাংব (বী) না ম্লেচ্ছ জাতীগী মীশিংনা ওই। ম্লেচ্ছশিংগী অমাংবনা
পৃথিবীদা লৈরিবা মীগী অমাংব (বী) না ম্লেচ্ছ জাতীগী মীশিংনা ওই। ম্লেচ্ছশিংগী অমাংবন
মখোয়গী মসুংদা উট পাধা লয়োনবশিংনা ওই। লয়োম্বশিং অচুগী অমুক্ অমাংবদি মখোয়গী মরক্ত য়াওরিবা নপুংসকশিং অচুনা ওই। নপুংসকশিং অচুগী অমাংব (কনবা-অমাং অশোয়) দি মখোয়গী মসুংদা য়াওরিবা ক্ষত্রিয়দা কুল পুরোহিত ওইহন্‌বশিং অচুনা ওই ॥১৩১॥ নিংথৌ! শল্য! নংনা হৌজিক্ ঐবু থাদোক্লবদি ক্ষত্রিয়দা পুরোহিত ওইহন্‌বগী পাপ অচুগা মদ্রদেশগী মীনা তৌবা পাপ অচু নংগু পুজগনি ॥১৩২॥

হিংচা-য়াইতবা, ভূত প্রেতনা মশাদা চঙলবা-তোংলবা, লিয়চিংবগী হূনা শিগদৌরবা মীশিং অচুগী মকথদা, পণ্ডিতশিংনা লীনয়ম্‌লিবা রায়ীশিমক্না হিংচাবগী মহু হাংতবা, হুয় খুদক্ত কোক্‌হনবা মহৌষধি (করবা ইদাক) হায়বসুনি হায়নৈ ॥১৩৩॥ পাঞ্চালদা লৈবশিংনা ব্রহ্মসাধন-ব্রহ্মধ্যান কুরুদেশগী মীশিংনা দানধর্ম্ম, মৎস্যদেশগী মীশিংনা সত্যধর্ম্ম (অচুব ভাঙবা), শূরসেনগী মীশিংনা যজ্ঞধর্ম্মনচিংব অসি তৌনৈ। নোংপোক্‌থংবা দেশগী মীশিংনা অতোয়গী সেবক (মীনায়) ওইগনি। দাক্ষিনাত্যগী মীশিংনা শূদ্রগী থবক তৌগনি। বাহীকশিংগীনা হুয়ানবা ভাক ওই। সৌরাষ্ট্রশিং অমাম্বদি বর্ণ শঙ্কর ভাক ওইথনা মানা মানা খোকপা তৌহৈব তৌহৈদবা য়েংদনা

কৃতঘ্নতা পরবিত্তাপহারো মদ্যপানং গুরুদারাবমর্দঃ।
বাক্পারুষ্যং গোবধো রাত্রিচর্য্যা বহির্গেহং পরবস্ত্রোপভোগঃ।
যেষাং ধর্ম্মস্তান্ প্রতি নাস্ত্যধর্ম্মো আরট্টকান্ পাঞ্চনদান্ ধিগস্তু ।১৩৫।
আ পাঞ্চালেভ্যঃ কুরবো নৈমিষাশ্চ মৎস্যাশ্চৈতেঽপ্যথ জানন্তি ধর্ম্মম্ ।
অথোদীচ্যাশ্চাঙ্গকা মাগধাশ্চ শিষ্টান্ ধর্ম্মানুপজীবন্তি বৃদ্ধাঃ ।১৩৬।

প্রাচীং দিশং শ্রিতা দেবা জাতবেদঃপুরোগমাঃ। দক্ষিণাং পিতরো গুপ্তাং যমেন শুভকর্ম্মণা ।১৩৭।
প্রতীচীং বরুণঃ পাতি পালয়ানঃ সুরান্ বলী। উদীচীং ভগবান্ সোমো ব্রাহ্মণৈঃ সহ রক্ষতি ।১৩৮।
তথা রক্ষঃপিশাচাশ্চ হিমবন্তং নগোত্তমম্ ; গুহ্যকাশ্চ মহারাজ ! পর্ব্বতং গন্ধমাদনম্ ।১৩৯।
ধ্রুবঃ সর্ব্বাণি ভূতানি বিষ্ণুঃ পাতি জনার্দ্দনঃ। ইঙ্গিতজ্ঞাশ্চ মগধা প্রেক্ষিতজ্ঞাশ্চ কোশলাঃ ।১৪০।
অর্দ্ধোক্তাঃ কুরুপাঞ্চালাঃ শাল্বাঃ কৃৎস্নানুশাসনাঃ। পার্ব্বতীয়াশ্চ বিষমা যথৈব গিরয়স্তথা ।১৪১।

থবক্ তৌই ॥১৩৪॥ তৌবিমল খঙদবা, মীগী মরস্ত লৌননবগী হোৎনবা, মন্নায়কাব মহীবনাক্ত থকপা, গুরাগুরুগী লোয়নবীদা নত্তবা মীৎয়েংনা য়েংবা, তম্থিবা রাঙাং তাঙবা, শল হাৎপা, অহিংদা খুলক্ কোয়বা, অতোপ্প কি শেৎপা অসিগুম্ব আচার ব্যবহার তৌরিবশিং অদুগী অধর্ম্মদি লৈ ধর্ম্মদি মমীং কাওবা লৈতে। মরম অদুনা পঞ্চনদী (ফুরেল্ মঙানা কোনবা লম্ পঞ্জাব) হায়রিবা লম্ অসিগী আরট্ট কৌবা মখোয়বু চামরক্ ধিক্কার তৌরি ॥১৩৫॥ পাঞ্চাল হায়ব লম্ অসিদগী হৌনা কুরু, নৈমিষ, মৎস্যদেশশিং অসি কাওদ্রদা লৈরিবা মীশিং অসি ধর্ম্ম খঙ্গিঙ্ক করিনা ধর্ম্মনো, করিনা অধর্ম্মনো হায়বদু য়াম্ম বিচার তৌনা চৎলি। অরাংথংবা লম্দম্গী, অঙ্গগী অদুগা মগধগী অহললমন্শিংনা শাস্ত্রগী বিধিগী মতুং ইন্না কর্ম্ম তৌদুনা মপুনশি লৈরে ॥১৩৬॥ অগ্নিদেবতানচিংবা লাইশিংনা নোংপোক্ মায়কৈ হায়বসিদা আশ্রয় তৌদুনা লৈ। পুণ্যকর্ম্মক তৌরবা যমরাজনা ঙাক্শেল্লিরিবা মথা মায়কৈ হায়বসিদনা পিতৃলোক পূম্নমক্ লৈরিবনি ॥১৩৭॥ কল্লবা বরুণ দেবতানা লাইথ্রামশিংবু ঙাক্ শেন্দুনা নোংচুপ মায়কৈবু কোন্দুনা থরি। ভগবান্ চন্দ্রদেবনা ব্রাহ্মণ-যোগীশিংগা লোয়নননা অরাংথংবা মায়কৈবু ঙাক্শেন্দুনা থরি ॥১৩৮॥ কিংখৌ ! শল্য। ভুতপ্রেত হিংচাবশিংনা চীঙ অখোইবা হিমালয়বু ঙাক্শেন্দুনা লৈরি। গন্ধর্ব্ব-কিন্নর গুহ্যক (শাদানবা) শিংনা গন্ধমাদন কৌবা চীঙবু য়াম্ম চেক্শিন্না ঙাক্শেন্দুনা থরি ॥১৩৯॥ সনাতন (অহৌব অরোইবা লৈতবা) অমদি জনার্দ্দন (জীব শানবা পূম্নমকপু য়েংশিনবিবা) ভইবং বিষ্ণুনা অচঞ্চল জীবপানবা পূম্নমকপু ঙাকপি। মীনা হায়রকপা রাসি, মগধ দেশগী মীশিংনা ইঙ্গিত তৌনবতদা খঙবা ঙম্মি। কোশল দেশগী মীশিংনা মমীৎ মমীৎকা য়েংবা বৎনরা অসিতনা অমন অমগী ভাবপু খঙবা ঙম্মি ॥১৪০॥ কুরু পাঞ্চালগী মীশিংনা মীনা ঙাঙবসি

সর্ব্বজ্ঞা যবনা রাজন্ । শূরাশ্চৈব বিশেষতঃ । ম্লেচ্ছাঃ স্বসংজ্ঞানিরতা নানুক্তা ইতরে জনাঃ ॥১৪২॥
প্রতিবদ্ধাস্তু বাহীকা ন চ কেচন মদ্রকাঃ । স ত্বমেতাদৃশঃ শল্য । নোত্তরং বক্তুমর্হসি ॥১৪৩॥
পৃথিব্যাং সর্বদেশানাং মদ্রকো মলমুচ্যতে । তথা স্ত্রীণাঞ্চ সর্বাসাং মদ্রিকা মলমুচ্যতে ॥১৪৪॥

সীধোঃ পানং গুরুতল্পাবমর্দ্দো ভ্রূণহত্যা পরবিত্তাপহারঃ ।
যেষাং ধর্ম্মস্তান্ প্রতি নাস্ত্যধর্ম্ম আরট্টকান্ পাঞ্চনদান্ ধিগস্তু ॥১৪৫॥

এতজ্জ্ঞাত্বা যোষমাস্স্ব প্রতীপং মাস্ম বৈ কৃথাঃ । মা ত্বাং পূর্ব্বমহং হত্বা হনিষ্যে কেশবার্জ্জুনৌ ॥১৪৬॥

শল্য উবাচ ।

আতুরাণাং পরিত্যাগঃ স্বদারস্ুতবিক্রয়ঃ । অঙ্গেষু বর্ত্ততে কর্ণ । যেষামধিপতির্ভবান্ ॥১৪৭॥

খজিত্তং কাওখোকপদা, নত্রগা মচেৎ অমতং নত্রগা ভংথায় কাওবত্ত হায়দোরকপদা অর্থ হেক্ত খঙখি । খাল দেশগী মীশিংদি মী অমনা রাহৈ পবেং অদু মপুংকানা গুগাইনা হায়ত্রিমথৈ অর্থ খঙদে ; শিবি দেশগী মীশিংগী মতৌগুম্না চীঙ লম্‌গী মী (চীঙমী) শিংদি মীনা মপুংকানা হেক্ হায়ত্রিমথৈ অর্থ গুখঙ খঙদে ॥১৪১॥ নিংথৌ ! শল্য ! যবন দেশগী মীশিংনা অদুগা শূরসেন দেশদা লৈব-শিংনা মী অমনা ঙাঙলি শক্লিবদু করিগুম্বা উপায় অম তৌচনা খঙঙী । ম্লেচ্ছশিংনা মখোয় মশেলগী মরক্ত তৌনবা ঈজিতনচিংবা অদুতনা খঙব ঙম্‌নৈ । অসি নত্তবা অতৈ দেশগী মীশিংদি মীনা মচিন্দা হায়ত্রিমথৈ গুকখঙ খঙদে ॥১৪২॥ বাহীকশিংদি অমুক্তং হায়বনদি মখোয়দা করিমত্ত ওইদে কায়দে । মঙা তরুকলক্ হয় হায়রবতদা অর্থ খঙঙী । অদুগা মদ্রকশিং (মদ্রাজদা লৈবশিং) দি মঙামক্ হয় হায়গে হায়য়ু, অর্থ গুকখঙ খঙলোই । অদুনা শল্য ! নংনা মদ্রদেশ (মাদ্রাজ) গী মী অম ওইবনা ঐনা অস্থক্ য়ায়া হয় হায়বসে নংনা অর্থ গুকখঙ খঙত্রিবনি । অদুনা, ঐনা হায়রিবসি খঙঙু হায়না হঙ্গিল হঙ্গিল হায়ববু মাসিগী অর্থবু নংনা করিমত খঙদে । অদুনা পাউখুম্‌নু পীবা ওপ্পয়োই ॥১৪৩॥ মদ্রদেশ (মাদ্রাজ) হায়বসে ভুখণ্ড অসিদা লৈরিবা দেশ পুম্নমক্কী অমোৎপা অমাং অশোয়গী মশাক্ক । অদুনা মদ্রদেশগী নুপীশিংদ দেশ অতৈগী নুপীশিংগী অমাং অশোয় অমোৎপা নুরাগুম্বনি হায়নৈ ॥১৪৪॥ য়ু থক্‌পা, গুরুগী পত্নীগী কীজি কিনা নেৎপা, মচা ময়েথবা, মীগী মরল লোয় নত্রগা মুন্দুনা লৌবা অসিগুম্বতনা চৎনবী ওইবা মখোয়দুগীদি ধর্ম্ম হায়ব লৈত্তে । মখোয়না তৌরিমথৈ অধর্ম্মগী অধর্ম্মমক্তনি । অদুনা ঐনা হায়রিবা পঞ্চনদ হায়রিব লম্ অসিগী অদুগা মাসিগী মনাক্ নক্কনা লৈরিবা বাহীকশিংবু ঐনা চামরক থিকায় তৌরি, নিন্দা তৌরি ॥১৪৫॥ শল্য ! নংনা মসি তাম্নগা নশা নথক্ত ঈকায়জদুনা তুমিন লৈয় । অমুক ঐঙোন্দা হংগৎনা ঙাঙ্‌লক্কগনু মাদুম্ তৌরবত্তদা কৃষ্ণ অর্জ্জুন হাত্রিদৈগী মমাঙদা নংবু হাৎপিয়োই ॥১৪৬॥ শল্যনা হায়ঃ—কর্ণ ! নংনা নিংথৌ ওইজরিবসে চঙজমক্কবা, শরণাগত ওইদুনা থাগী

যথাভিরূপসংখ্যায়াং যথাং ভীষ্মস্তদাব্রবীৎ। তান্ বিদিত্বামলো দোষান্ নির্দ্দুষ্টৈব মা ব্রুবঃ ॥১৪৮॥
সর্বত্র ব্রাহ্মণাঃ সন্তি ক্ষত্রিয়াঃ সন্তি সর্বতঃ। বৈশ্যাঃ শূদ্রাস্তথা কর্ণ! স্ত্রিয়ঃ সাধ্ব্যশ্চ সুব্রতাঃ ॥১৪৯॥
রমন্তে চোপহাসেন পুরুষাঃ পুরুষৈঃ সহ। অন্যোন্যমভিতক্ষন্তো দেশে দেশে সমৈথুনাঃ ॥১৫০॥
পরবাচ্যেষু নিপুণঃ সর্বো ভবতি সর্বদা। আত্মবাচ্যং ন জানীতে জানন্নপি চ মুহ্যতি ॥১৫১॥
সর্বত্র সন্তি রাজানঃ স্বং স্বং ধর্মমনুব্রতাঃ। দুর্মনুষ্যান্ নিগৃহ্ণন্তি সন্তি সর্বত্র ধার্ম্মিকাঃ ॥১৫২॥
ন কর্ণ! দেশসামান্যাৎ সর্বঃ পাপং নিষেবতে। যাদৃশাঃ স্বস্বভাবেন দেবা অপি ন তাদৃশাঃ ॥১৫৩॥

সঞ্জয় উবাচ।

ততো দুর্য্যোধনো রাজা কর্ণশল্যাববারয়ৎ। সখিভাবেন রাধেয়ং শল্যং স্বাজন্যকেন চ ॥১৫৪॥

আশ্রয়দা লৈজরবা অয়ুক্ খুদক্ক হাত্তোক্পা তাত্তোক্পা ওম্বা অদুগা মত্তু মচাবুস্থ মীওোন্দা থোক্ থোক্ শীথোক্পা য়োহোক্পা ওবা মীশিং অদুনা প্রজা ওইদুনা লৈবা অঙ্গ হায়বা দেশ অদুগীনি ॥১৪৭॥ কর্ণ! নংনা অসি শোক্কন্নিবৈদা রথী, মহারথী, অতিরথীশিংগী শীঙথানরকপা, মশীং থানরকপদা ভীষ্মনা নত্তোনদা হায়খিবা রাশিংদো মীওশিংলগা অশাউবদগী নাত্তোক্লবা তৌ ॥১৪৮॥ কর্ণ! দেশ পুম্নমক্তা আচার ব্যবহার থম থম থেম্নরবসু মাগী মাগী দেশগী ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য, শূদ্র, লোইনা লৈনবা ওাক্নি। দেশ পুম্নমক্ত লৈবী নুপী মথৈ লোইনা বেশ্যা (ওক্তবী) নত্তবনি। সতী সাধ্বী ওইবী নুপীশিংসু মহুং মহুংদা য়াম্না লৈনবনি, থওক্ত্। মপান্দা নংনা থম উক্লবত্তনা দেশ পুম্নমক্কী নিপা নুপীশিংবু লোইনা চেক্তহৈংগসু ॥১৪৯॥ পৃথিবীদা লৈরিবা দেশশিংগী নিপাশিংনা অত্তোম্না দেশদা লৈবা নিপাশিংগী মোক্লবা ওওনবা, মাগী ময়াল কৃতুনা ওম্নপা মীগী ময়াল অশোয়বত্তবু পুথোক্তুনা নোক্ক থেনবা হায়বসে খ্বাইমক্ মত্তৌনবনি। তাঞ্জা কংবদা নিপানা মাগী লোয়নবী-গত্ত নত্তনা অত্তোম্নী কনাওম্নী নুংশিনবী অমগা লওন থোৎনবা ওহাক্ নুংঙাইমিন্নবা হায়বসে দেশ পুম্বদা মত্তৌনবনি। মাসে স্বর্গগী লাইশিংমক্কসু করি করিওম্বা মতম্দা তৌনৈ ॥১৫০॥ অদুগা কর্ণ! তাইবং মী হায়বসে ম্নাগী অশোয়বা, মরান্দি লোত্তুনা থম্নগা মীগী মন্না য়াম্না ওাওবা মীগী দোষত মথিবা অসি তৌনবনি। মশাগী দোষদি থক্ য়েংদবনি, উয় থওলবসু ময়ামদা হায়দোক্ কোক্কলোক্তবনি ॥১৫১॥ লৈবাক্ পুম্নমক্কী মাগী মাগী নিংথৌ অমমম্ লৈনরিবমক্তনি য়ায়েল বিচার তৌবা মন্ত্রীশিং লৈনরিবা মক্তনি। মখোয়না কত্তবা, মশাদা দোষ-অপরাধ লৈরবশিংবু য়ারকই, মখোয়গী অয়ানবত্থ চুম্থোক্লবা হোৎনৈ। অদুগা দেশ পুম্নমক্তা য়াম্না ধার্মিক ওইবা মীশু লৈবনি থওক্ত্ ॥১৫২॥ লৈবাক অমগী মী অমনীনা হুয়ানবা, পাপী ওইরগা লৈপাক্তুগী মী পুম্নমক হুয়ানবা পাপী ওইদবনি। মাসে, দেবতাশিংগী লোক্ অতৈ অতৈদসু তৌনরিব। ওইনরিবা মওং মক্তনি ॥১৫৩॥ সঞ্জয়না হায়ঃ—কর্ণ শল্য অনী অসিনা অন্নুম্ ওংথৎনরকপা, শংগৎনরকপা

ততো নিবারিতঃ কর্ণো ধার্তরাষ্ট্রেণ মারিষ।। কর্ণোঽপি নোত্তরং প্রাহ শল্যোঽপ্যভিমুখঃ পরান্ ।১৫৫।
ততঃ প্রহস্য রাধেয়ঃ পুনর্বাহানভ্যচোদয়ৎ । ইদং তব মহাবাহো প্রক্ষিপ্তেন তু মৌহূর্তাৎ ।১৫৬।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
কর্ণশল্যসংবাদে চতুস্ত্রিংশোঽধ্যায়ঃ ।০। *

——:॰:——

অদুগা মথ মথক্ অহুদা ফুনশুনমকপগী মওং মতাহ্ উবদা দুর্য্যোধননা চঙশিল্লকুনা অনীবু খম্বি। মরুপকী ভাবতা কর্ণবু খাম্মি, শাগৈনাতৈগী ভাবতা শল্যবু খাম্বি ।১৫৪। ঐকায় খুম্নবগী মশক্ ওইরবা মহারাজ। দুর্য্যোধননা খাম্জিল্লরক্লবদা কর্ণহ মখা অমুক্ ভাখিজে, শল্যস্থ মেক্রবা ভেঙোলদোমদা মমায় ওনশিন্খি ।১৫৫। অহদগীদি কাপি ভাহুনা কর্ণনা শল্যদা "শগোলহম্ থৌবিয়ু—থৌবিয়ু"—হায়রকই। কর্ণন কপি অমুক্ হায়রকপগে হায়রবু—"মন্নিংথৌ! মহারাজ ঐবু কনা নত্তে, মরূপনি হায়রুনা থৌগাক্ নাইদহুনা নিন্দা য়ায় গৌবিরে। ঐনস্থ নহাকপু, কনা নত্তে হায়রহুনা থৌগাক নাইদনা থীনা থীনা হায়রুরে। হৌজিক্কি পানা মায়রে, থৌবিয়ু! থৌবিয়ু!—" অদুম্না হায়খি ।১৫৬। ।০।

মকম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণ পর্ব্বগী "কর্ণ শল্য সংবাদ" গী কুন্থা মরিশুবা অধ্যায় লোইরে ।X।X।

———

শ্রীমহাভারতম্

পঞ্চত্রিংশোঽধ্যায়ঃ।

কুহ্যামণ্ডাগুবা অধ্যায়ঃ

(কর্ণগা শল্যগা রথং অমুক্ ডাণ্ডনরকপা)

সঞ্জয় উবাচ।

ততঃ পরানীকসহং ব্যূহমপ্রতিমং কৃতম্। সমীক্ষ্য কর্ণঃ পার্থানাং ধৃষ্টদ্যুম্নাভিরক্ষিতম্ ॥১॥
প্রযযৌ রথঘোষেণ সিংহনাদরবেণ চ। বাদিত্রাণাঞ্চ নিনদৈঃ কম্পয়ন্নিব মেদিনীম্ ॥২॥
বেপমান ইব ক্রোধাদ্যুদ্ধশৌণ্ডঃ পরন্তপঃ। প্রতিব্যূহ্য মহাতেজা যথাবত্তরতর্ষভ। ॥৩॥ (বিশেষকম্)
ব্যধমৎ পাণ্ডবীং সেনামাসুরীং মঘবানিব। যুধিষ্ঠিরঞ্চাভ্যহনদপসব্যং চকার হ ॥৪॥

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ

কথং সঞ্জয়। রাধেয়ঃ প্রত্যব্যূহত পাণ্ডবান্। ধৃষ্টদ্যুম্নমুখান্ সর্বান্ ভীমসেনাভিরক্ষিতান্।
সর্বানেব মহেষ্বাসানজয্যানমরৈরপি ॥৫॥
কে চ পক্ষৌ প্রপক্ষৌ বা মম সৈন্যস্য সঞ্জয়।। প্রবিভজ্য যথান্যায়ং কথং বা সমবস্থিতাঃ ॥৬॥
কথং পাণ্ডুসুতাশ্চাপি প্রত্যব্যূহন্ত মামকান্। কথঞ্চৈব মহদ্যুদ্ধং প্রাবর্ত্তত সুদারুণম্ ॥৭॥

সঞ্জয়না হায়ঃ—ভরত শাগেগী অথোইবা মহারাজ। পাণ্ডব পক্করোম্‌দা, য়েক্লবশিংনা মম্‌-থায়বা ওন্মোইদোবা, চাংদম্‌নীগাই লৈতবা বেহ শারকপসি উবদা অদুগা মাদুবু ধৃষ্টদ্যুম্ননা কম্ন শেন্নদুনা লৈবদু উবদা, তেজ কল্লবা য়েক্লবা হাৎওম্বা, লান্দা মরায় কারবা, মহাবীর কর্ণনা মাম্না রথগী মখোলভনা পৃথ্বী অসি থক্ থক্ নীকহন্দুনা, অশাউবগী মৈনা মমীত্ত ঈকাদুনা; মশা থক থক্ নীকতুনা য়েক্লবগী মায়গৈদা শারকশিবা বেহ অদুবু ওম্বা বেহ অম শাদুনা লাম্মী মপৈ অদুগী মাঙ থানা চঙশিল্লকই ॥১—৩॥ অদুগী তুংদা ইন্দ্রনা আসুরশিং দৈত্যদা-মবশিংগী লাম্মী মপৈ মপৈবু মাঙহল্লকপদুগুম্না কর্ণনা পাণ্ডব লাম্মীশিংবু মাঙন তাক্লব, তৌবা হৌ-রকলে। যুধিষ্ঠিরদা তেলকাপ্‌শিন কাপ্‌শিন্না যুধিষ্ঠিরবু ওয় ওয়ননা তাহনখি ॥৪॥ ধৃতরাষ্ট্রনা হায়ঃ—সঞ্জয়। পাণ্ডবশিংনা, ধৃষ্টদ্যুম্ননচিংবা মহারথী শিংনা, অমদি ভীমনচিংবা অকনবশিংনা ঙাকশেন্দুনা মতৌ করম্ন' লাইশিংমক্লস্থ চঙবা ওমদবা বেহ শাখিবগে? অদুগা মাদুগী বিরুদ্ধদা কর্ণনা মতৌ করম্না লাম্মী শিংবু করম্ব মণ্ডগী বেহদা লৈহনখিবগে? ॥৫॥ সঞ্জয়। করম্ করম্বা অকনবশিংনা বেহদুগী করম করম্বা মকম্‌দা নিয়ম কায়দনা লেপ্তুনা লৈখিবগে? ॥৬॥ অদুগা

তং চ বীভৎসুরভ্যেত্য কর্ণোঽয়াদ্যুধিষ্ঠিরম্ । কো বার্জ্জুনস্য সারথ্যে শক্তোঽভ্যেতুং যুধিষ্ঠিরম্ ॥৮॥
সর্ব্বভূতানি যো হ্যেকঃ খাণ্ডবে জিতবান্ পুরা । কস্তমন্যত্র রাধেয়াৎ প্রতিযুধ্যেজ্জিজীবিষুঃ ॥৯॥

সঞ্জয় উবাচ ।

শৃণু ব্যূহস্য রচনামর্জ্জুনস্য যথা গতঃ । পরিবার্য্য নৃপং. খং খং সংগ্রামশ্চাভবদ্‌যথা ॥১০॥
কৃপঃ শারদ্বতো রাজন্! মাগধাশ্চ তরস্বিনঃ । সাত্বতঃ কৃতবর্ম্মা চ দক্ষিণং পক্ষমাশ্রিতাঃ ॥১১॥
তেষাং প্রপক্ষৌ শকুনিরুলূকশ্চ মহারথঃ । সাদিভির্বিমলপ্রাসৈস্তবানীকমরক্ষতাম্ ॥১২॥
গান্ধারিভিরসংভ্রান্তৈঃ পার্ব্বতীয়ৈশ্চ দুর্জ্জয়ৈঃ । শলভানামিব ব্রাতৈঃ পিশাচৈরিব দুর্দৃশৈঃ ॥১৩॥
(যুগ্মক)

চতুস্ত্রিংশৎ সহস্রাণি রথানামনিবর্ত্তিনাম্ । সংশপ্তকা যুদ্ধশৌণ্ডা বামং পক্ষমপালয়ন্ ॥১৪॥
সমন্বিতাস্তব সুতৈঃ কৃষ্ণার্জ্জুনজিঘাংসবঃ । তেষাং প্রপক্ষাঃ কাম্বোজাঃ শকাশ্চ যবনৈঃ সহ ॥১৫॥
নিদেশাৎ সূতপুত্রস্য সরথাঃ সাশ্বপত্তয়ঃ । আহ্বয়ন্তোঽর্জ্জুনং তস্থুঃ কেশবঞ্চ মহাবলম্ ॥১৬॥
(বিশেষক)

পাণ্ডবশিংনস্থ ঐখোয়গী কৌরব পক্ষগী বিরুদ্ধদা কয়ম্ব মওংগী ব্যূহ (বেহ) শাথিবগে। অদুগা অকিবগী মশক কংলবা লাঙ্গাও অদু মতৌ কয়ম্না হৌথিবগে ? ॥৭॥ কর্ণনা যুধিষ্ঠিরগোমদা চওশিল্লকপা মতম্‌সিদা অর্জ্জুনদি কদোম্‌দা লৈখি ? ময়ম্‌দি অর্জ্জুননা লৈম্নিঙৈদা মাগী মমাঙদা কনানা যুধি-ষ্ঠিরবু আক্রমন তৌবা ঙমগনি ? ॥৮॥ মমাংঙৈদা ইন্দ্রগী খাণ্ডববনবু মৈথাবা মতম্‌দা অর্জ্জুন মখত্তনা লাইহিংচাব পুম্নমক্‌পু জয় তৌখি। কৌরব তেজোলগী মনুংদা কর্ণ নত্তনম্ব কনানদি অর্জ্জুনগা মায়োক্নগনি ? ৯॥ সঞ্জয়না হায়:—মহারাজ! কৌরব পক্ষগোমদা কর্ণনা কয়ম্বা ব্যূহ শাথিবা, মতম্ অদুদা অর্জ্জুননা কদোমদা লৈখিবা, অদুগা মাগী মাগী লাম্নীশিংনা নিংথৌ রথী-শিং অদুবু কয়ম্না শেম্ শেম্না লানশোক্নখিবা অদি পুম্নমক্ অসি মচা খায়না নীজগে তাবিয় ॥১০॥ মহারাজ! শরদ্বানগী মচা কৃপ ; কল্লব মগধগী লাম্নীশিং অদুগা সাত্বতবংশগী কৃতবর্ম্মা মখোয় অসিনা কৌরব ব্যূহগী য়েৎলোমদা লৈখি ॥১১॥ মকক্লবা থাঙ-তা পায়বা, খোঙকম্ লেঙগল্লবা, কৌজেং হাম্নৌ মপৈঙম্ পুম্নপ কায়দনা চঙৈহবা, মখিল মখৌনাদা তিংচা য়াইতম্বঙবা, মশক্ পুম্নপ য়েংবদসু অকিম কংবা গন্ধার দেশগী শগোল তোংবা লাম্নীশিং মখোয় অসিনা চিঙলম্‌দম্‌গী শাথিরবা খোঙমী লাম্নীশিংগা লোয়নননা মহারথী শকুনি অমদি উলূক অনীসিনা কৃপনচিংবা অক্রবশিংনা লৈম্নিবদুগী নাকল্দা লৈদুনা লাম্নী মরাম্বু ব্যূহ অদুবু ঙাকশেন্দুনা লৈখি ॥১২-১৩॥ মহারাজ! লাম্দা মরাই ক্লারবা, নীংহল্লগল্লবা, সংশপ্তক লাম্নী লিশিং ফুমহামরিনা মহারাজগী নচাশিংথোশিংগা লোয়নননা কৃষ্ণ-অর্জ্জুন অনীবু মহাংলগে হায়না থম্লুনা ব্যূহ (বেহ)-অহগী অর্থোম্‌দা চেয়কশিন্ন লৈখি। শগোল-রথ খোঙমী মপৈপা লোয়নননা কাম্বোজশিং শকশিং অদুগা

মধ্যে সেনামুখে কর্ণো ব্যবতিষ্ঠত দংশিতঃ। চিত্রবর্মাঙ্গদঃ স্রগ্বী পালয়ন্ বাহিনীমুখম্ ॥১৭॥
রক্ষ্যমাণঃ সুসংরব্ধৈঃ পুত্রৈঃ শস্ত্রভৃতাং বরঃ। বাহিনীপ্রমুখে বীরঃ সংপ্রকর্ষন্নশোভত ॥১৮॥
অভ্যবর্ত্তমহাবাহুশ্চন্দ্রবৈশ্বানরপ্রভঃ। মহাদ্বিপস্কন্ধগতঃ পিঙ্গাক্ষঃ প্রিয়দর্শনঃ ॥১৯॥
দুঃশাসনো বৃতঃ সৈন্যৈঃ স্থিতো ব্যূহস্য পৃষ্ঠতঃ। তমন্বয়ান্মহারাজ। স্বয়ং দুর্য্যোধনো নৃপঃ ॥২০॥
চিত্রাশ্বৈশ্চিত্রসন্নাহৈঃ সোদর্য্যৈরভিরক্ষিতঃ। রক্ষ্যমাণো মহাবীর্য্যৈঃ সহিতৈর্মদ্রকেকয়ৈঃ ॥২১॥
অশোভত মহারাজ। দেবৈরিব শতক্রতুঃ। অশ্বত্থামা কুরূণাঞ্চ যে প্রবীরা মহারথাঃ ॥২২॥
নিত্যমত্তাশ্চ মাতঙ্গাঃ শূরৈর্ম্লেচ্ছৈঃ সমন্বিতাঃ। অন্বযুস্তদ্রথানীকং ক্ষরন্ত ইব তোয়দাঃ ॥২৩॥
(কলাপকম্)
তে ধ্বজৈর্বৈজয়ন্তীভির্জ্বলদ্ভিঃ পরমায়ুধৈঃ। সাদিভিশ্চাস্থিতা রেজুর্দ্রুমবন্ত ইবাচলাঃ ॥২৪॥

যবন (ম্লেচ্ছ) শিংনা সেনাপতি কর্ণগী য়াথং মতুংইন্না কল্লবা অর্জ্জুন কৃষ্ণ অনীবু কৌথোকতুনা শীঙনহুনা সংশপ্তক লাম্মী মপৈ অহুগী নাকল অমদা মনাক্ত লৈখি ॥১৪—১৬॥ লান্গী খুৎলায় ফিজেৎ পূম্বনা তিল্লবা, মখল মখা অয়াম্ব-তঙপ ভরেংলবা সনরীক অমদি লালকুম্বিংনা লৈতেং-লবা কল্লবা সেনাপতি কর্ণনা ব্যূহ অহুগী ময়ায়মক্তদা লৈখি ॥১৭॥ মতম্ অহুদা মখিদ্ লৈরবা কল্লবা কর্ণগী মচাশিংনা কর্ণবু ঙাকশেন্মুনা লৈপ্রবদা খুৎলায় পুম্ব হৈরবা, খুৎলায় পূম্বনা তিল্লবা কর্ণ অসি পাকচাউরবা কৌরব লাম্মী মপৈ অহুম্ নিয়ম নাইনা হোইহুনা পুম্বি। খাই-দগী তোম্খিল ঈঙাল ঙাম্না লালকম ময়ায় অহুদা থোইদোক্না নীঙখিজরি ॥১৮॥ মুমিৎ-থা অনীগী মতৌঙম্না তেজ লৈরবা, মপান্বোম্ চাউরবা কল্লবা মশক্ মতৌ কজরবা কর্ণ অসি চাউরবা শাম্মুগী মখেংবান্দা তোংবা মমীৎ তৌক্রনরবা অগ্নিদেবম কী মতৌঙম্না উনখি ॥১৯॥ মহারাজ। লাম্মী মপৈ অমনা ঈকোয় কোয়শিল্লবা দুঃশাসননা ব্যূহ অহুগী মনীঙলোমদা লৈ। নিংথৌ দুর্য্যোধন মশামক্না মনাও দুঃশাসনসিগী মতুংদা শেন্নহুনা লৈ ॥২০॥ মতম্ অসিদা য়েকথোৎলবা, তঙপ ভরেং-লবা কীজোম্ন লৈতেংলবা, শগোল অয়াংবমক্তা তোংলবা মনাওশিংনা মদ্রদেশগী কৈকয়দেশ অকনবা-শিংগা লোয়নননা ময়াম্মুং দুর্য্যোধনবু ঙাকশেনখি। ময়ম্ অহুনা মহারাজ। লাইরাম্ খিবিন্না ঈকোয় কোয়শিল্লবা ইন্দ্রনা নিঙথিজনা ঙাম্মোইনা কজবগুম্ দুর্য্যোধন অসি য়েংবদা থোইদোক্না নীঙথিখৈ ॥২১॥ মতম অসিদা অশ্বত্থামাসু কৌরব পক্ষগী অকনবনি হায়হুনা লৈখিবা মহারথীশিং অহুগী মরক্তা তোম্খিল ওইনা থোইদোক্না নিংথিখৈ। মতম্ লৈব খিবিক ময়ায় কাহুনা ঙাক্তলৈরবা শাম্মুশিংনা ম্লেচ্ছ লাম্মী শিংগা লোয়নননা জগৎপু থুম্হৎলগে হায়রবগী মতাঙম্ চুথরকদবা নোংমখুম্ মখুম্ অমমম্ঙম্না রথী লাম্মীশিং অহুগী মতুংদা মপৈ মপৈ ইরখি ॥২১—২৩॥ ফিরাল মখল মখল। অমাং লাংলবা খুৎলায়না শীক শীক থয় হাপ্লবা, তঙপ ভরেংলবা গজারোহী (শাম্মুতোংবা) লাম্মীশিং অহুগী

তেষাং পদাতিনাগানাং পাদরক্ষাঃ সহস্রশঃ। পট্টিশাসিধরাঃ শূরা বভূবুরনিবর্ত্তিনঃ ॥২৫॥
সাদিভিঃ স্যন্দনৈর্নাগৈরধিকং সমলঙ্কৃতঃ। স ব্যূহরাজো বিবভৌ দেবাসুরচমূপমঃ ॥২৬॥
বার্হস্পত্যঃ সুবিহিতো নায়কেন বিপশ্চিতা। নৃত্যতীব মহাব্যূহঃ পরেষাং ভয়মাদধৎ ॥২৭॥
তস্য পক্ষপ্রপক্ষেভ্যো নিষ্পতন্তি যুযুৎসবঃ। পত্ত্যশ্বরথমাতঙ্গাঃ প্রাবৃষীব বলাহকাঃ ॥২৮॥
ততঃ সেনামুখে কর্ণং দৃষ্ট্বা রাজা যুধিষ্ঠিরঃ। ধনঞ্জয়মমিত্রঘ্নমেকবীরমুবাচ হ ॥২৯॥
পশ্যার্জ্জুন। মহাব্যূহং কর্ণেন বিহিতং রণে। যুক্তং পক্ষৈঃ প্রপক্ষৈশ্চ সাশ্বনীকং প্রকাশতে ॥৩০॥
তদেতদ্বৈ সমালোক্য প্রত্যমিত্রং মহাবলম্। যথা নাভিভবত্যস্মাংস্তথা নীতির্বিধীয়তাম্ ॥৩১॥
এবমুক্তোঽর্জ্জুনো রাজ্ঞা প্রাঞ্জলির্নৃপমব্রবীৎ। যথা ভবানাহ তথা তৎ সর্ব্বং ন তদন্যথা ॥৩২॥
যদস্য বিহিতো ঘাতস্তং করিষ্যামি ভারত।। প্রধানবধ এবাস্য বিনাশস্তং করোম্যহম্ ॥৩৩॥

অহুগা মথক্তা তোংলিবা শামুশিং অহু অমময়া উরীরারী হৈপাল লৈপালনা থম্না হোৎরবা চীঙচুম্ অমমম্গী মতৌঙম্ উথি ॥২৪॥ মখুত্তা তা পায়রবা, মখ্যাতদা খাওরাম্রবা, মরে'বান্দা য়োচ্ছ্রক নুশূক লেংখোং নাবা খোঙ লাম্মী লিশিংলিশিংনা শামুশিং অহুগী মতু'দা নাকল্দা চত্নুনা ভাকশেল্লি ॥২৫॥ লাইরাম্গী অমদি অসুর দৈত্যশিংগী যুদ্ধগী মতৌঙম্বা ব্যূহ (বেহ্) অহু শগোল শামু রথশিংনা পূর্থল থম্ন লৈহুনা থোইদোক্না নীঙথিজখি ॥২৬॥ ব্যূহশাবগী নিয়ম অমদি তত্ত্বপূর্ব লোইনা খঙলবা কর্ণনা শায়কলিবা পাকচাউরবা বেহ্ অম্ন য়েক্লবশিংগী থম্মোয়দা অকিবা মিপাইবা পোকহল্লুনা জগোঈ শাবঙম্, মুংশিংনা হুম্বদা লেঙ লেঙ চত্নুনা লৈবা কৌচরোংনা পীকথল্লবা পাকচাউরবা লৌবুক অমঙম্ লৈখি ॥২৭॥ শগোলশামুরথ খোঙমীশিংনা পীকথল্লবা ব্যূহ য়েক্লব পক্ষগী ব্যূহ ভয়া থোরকলি ॥২৮॥ অসিগীতুংদা কৌরব পক্ষগী লাম্মী তেঙোলগী মমাঙদা ঈঙাল ভায় কর্ণনা থোরকপহু উবদা যুধিষ্ঠিরনা, মপালৈত্তনা কল্লবা মনাও অর্জ্জুনবু য়েংহুনা অস্মা হায়রকই—॥২৯॥ "য়েংউ অর্জ্জুন। কর্ণনা লালকম্ অসিদা মশামরেং পাল্লবা পাকচাউরবা ব্যূহ অম শাহুনা খ্যাইঙ্গী মাঙদা থোইনা নীঙথিজরি" ॥৩০॥ অহুনা, অর্জ্জুন। য়েক্লবগী পাকচাউরবা লাঞ্জীমপৈ অসিবু য়ামকুপ্ন মুম্না য়েংহুনা বিচার তৌরগা মায়থীবা কংদনবা লালগী বিধিহু নংনা পুথোকউ" ॥৩১॥ যুধিষ্ঠিরনা অস্মা হায়রবদা অর্জ্জুননা নোঙ্ক্রা খুৎ লোমহুনা অস্মা হায়খি :— য়াম্বুং মহারাজনা ভাকপিরিবদো অচুম্বমল্লি। ভাকপিগদব মল্লি ॥৩২॥ ভরতনন্দন! য়াম্বুং মহারাজ! য়েক্লব মায়পৈদগী শায়কপা ব্যূহবু মাঙহল্লবা, থুগাইননবা, যুদ্ধশাস্ত্রগী মতুং ইন্না লৈরিবা বিধান লো ঐনা হৌজিকমক্ তৌরগনি। বেহ্গী মথংদা পৈরিবা লাম্মী অসিবু মীপুমথীংনা হাৎননবা থোৎনজবস্থ মথোঙ্গী লুচিংবা অসিমা হাৎলগা হেক্ত লোইরে। মকোক তইরিবা অসিবু হাৎপবদি

যুধিষ্ঠির উবাচ।

তথাহমেব যাস্যেয়ং ভীমসেনঃ সুযোধনম্। বৃষসেনঞ্চ নকুলঃ সহদেবোঽপি সৌবলম্ ॥৩৪॥
দুঃশাসনং শতানীকো হার্দিক্যং শিনিপুঙ্গবঃ। পাণ্ড্যো দ্রোণসুতং যাতু স্বয়ং যোৎস্যাম্যহং কৃপম্ ॥৩৫॥
(যুগ্মকম্)
দ্রৌপদেয়া ধার্ত্তরাষ্ট্রান্ শিষ্টান্ সহ শিখণ্ডিনা। তে তে চ তাংস্তান্ অহিতানস্মাকং ঘ্নন্তু মামকাঃ ॥৩৬॥

সঞ্জয় উবাচ।

ইত্যুক্তো ধর্ম্মরাজেন তথেত্যুক্ত্বা ধনঞ্জয়ঃ। ব্যাদিদেশ স্বসৈন্যানি স্বয়ঞ্চাগাচ্চমূমুখম্ ॥৩৭॥
অগ্নির্বৈশ্বানরঃ পূর্ব্বো ব্রহ্মেশঃ সপ্তিতাং গতঃ। তস্মাদ্ধঃ প্রথমো জাতস্তং দেবা ব্রাহ্মণং বিদুঃ ॥৩৮॥
ব্রহ্মেশানেন্দ্রবরুণান্ ক্রমশো যোঽবহৎ পুরা। তমাদ্যং রথমাস্থায় প্রয়াতৌ কেশবার্জ্জুনৌ ॥৩৯॥
অথ তং রথমায়ান্তং দৃষ্ট্বা চাদ্ভুতদর্শনম্। উবাচাধিরথিং শল্যঃ পুনস্তং যুদ্ধদুর্ম্মদম্ ॥৪০॥
অয়ং স রথ আয়াতি শ্বেতাশ্বঃ কৃষ্ণসারথিঃ। দুর্ব্বারঃ সর্ব্বসৈন্যানাং বিপাকঃ কর্ম্মণামিব।
নিঘ্নন্নমিত্রান্ কৌন্তেয়ো যং কর্ণ! পরিপৃচ্ছসি ॥৪১॥

লাম্বীময়াম্ অসিদি মশানা অহম্ কায়জগ্রগদবনি ॥৩৩॥ যুধিষ্ঠিরনা হায়ঃ—অহুদি অর্জ্জুন! নংনশামক কর্ণ তম্ম চওশিল্লু। ভীমনা দুর্য্যোধনলোমদা, নকুলনা বৃষসেনলোমদা, সহদেবনা শকুনিতম্মা, শতানীকনা দুঃশাসন তম্মা, সত্যকিনা কৃতবর্ম্মাগী মায়দৈগে য়োমদা, অদুগা পাণ্ড্যরাজনা অশ্বত্থামা তম্মা চওশিন্নবা তৌ। অদুগা ঐ ঈশামক্না কৃপাচার্য্যগা থেংনগে ॥৩৪—৩৫॥ দ্রৌপদীগী মচাশিং অসিনা শিখণ্ডীগা অমত ওইনা তিন্নখিদুনা লৈহৌরিবা অতৈ ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিংগা থেংননবা তৌ। মতৌ অসুম্না শীন্নগা মরামসিবু য়েক্লব হাৎননবা মবক পায়থংহল্লু ॥৩৬॥ সঞ্জয়না হায়ঃ—যুধিষ্ঠিরনা অসুম্না হায়রবদা "য়াদ্রুমক তৌজগনি" অহুম্না হায়রগা অর্জ্জুননা খুদক লাম্বী ময়ামদা, যুধিষ্ঠিরনা হায়রিব পুখসিগী মতুং ইন্না থবক তৌনবা, মাথং পীখি। অহম্ শীন্নগা অর্জ্জুন মশামক্না লাম্বী খাইগী মাঙথানা চওশিন্নকই ॥৩৭॥ দেবতা পুম্নমক্কী মুচিংবা, ঈহান হৌম্মা পোকখিবা অগ্নিদেবনা বেদগী মন্ত্রনগী চাকশক্তুনা অহুঙবা রথ অহৌদমক্ শগোলগী মশক লৌখিবা অহুম্বা অত্নীদমক্তসু লাইরামনা রথ অমুবু বেদগী মশক্কি হায়না থনখিবা, অদুগা অহুঙবা রথ অহুনা ঈহান হানবদা ব্রহ্মা, শিব, ইন্দ্র বরুণবু মথংমনাও লাইনা মথক তৌংহনখিবা অহুঙবা অমাংকী ঈহান্নে হানবা রথ অদুদা কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীনা তোংখতুনা থাগ্না তৌরকই ॥৩৯॥ অহুঙবা অতকপী মশক ওইবা, অকিবা কংলবা রথ অদনা অহুম্ চওশিন্নকপদু উবদা, শাকলম্ শাকদুবনা কর্ণদা শল্যনা হায়রকই :—॥৪০॥ কর্ণ! অতৌবা শগোলচিংবা, কৃষ্ণনা খারথি ওইবা, রথ অদু লাক্নে। থাবাকানা ওইবব কর্ম্মগী অথোকপা লাকপকপা অমাংনা সৈন্যগী মতৌঙাগুম [illegible]

শ্রূয়তে তুমুলঃ শব্দো যথা মেঘরবো মহান্। ক্রমেতৌ মহাত্মানৌ বাসুদেবধনঞ্জয়ৌ ॥৪২॥
এষ রেণুঃ সমুদ্ভূতো দিবমাবৃত্য তিষ্ঠতি। চক্রনেমিপ্রণুন্নেব কম্পতে কর্ণ! মেদিনী ॥৪৩॥
প্রবাত্যেষ মহাবায়ুরভিতস্তব বাহিনীম্। ক্রব্যাদা ব্যাহরন্ত্যেতে মৃগাঃ ক্রন্দন্তি ভৈরবম্ ॥৪৪॥
পশ্য কর্ণ! মহাঘোরং ভয়দং লোমহর্ষণম্। কবন্ধং মেঘসঙ্কাশং ভানুমাবৃত্য সংস্থিতম্ ॥৪৫॥
পশ্য যূথৈর্বহুবিধৈর্ম্মৃগাণাং সর্ব্বতোদিশম্। বলিভিঃ কর্ণ। শার্দ্দূলৈরাদিত্যোঽভিনিরীক্ষ্যতে ॥৪৬॥
পশ্য কঙ্কাংশ্চ গৃধ্রাংশ্চ সমবেতান্ সহস্রশঃ। স্থিতানভিমুখান্ ঘোরানন্যোন্যমভিভাষতঃ ॥৪৭॥
রঞ্জিতাশ্চামরা যুক্তাস্তব কর্ণ। মহারথে। প্রদরাঃ প্রজ্বলন্ত্যেতে ধ্বজশ্চৈব প্রকম্পতে ॥৪৮॥
সবেপথূন্ হয়ান্ পশ্য মহাকায়ান্ মহাজবান্। প্লবমানান্ দর্শনীয়ানাকাশে গরুড়ানিব ॥৪৯॥
ধ্রুবমেষু নিমিত্তেষু ভূমিমাশ্রিত্য পার্থিবাঃ। স্বপ্স্যন্তি নিহতাঃ কর্ণ। শতশোঽথ সহস্রশঃ ॥৫০॥
শঙ্খানাং তুমুলঃ শব্দঃ শ্রূয়তে লোমহর্ষণঃ। আনকানাঞ্চ রাধেয়। মৃদঙ্গানাঞ্চ সর্ব্বশঃ ॥৫১॥

অমতনা খিংবা-হোন্দোকহনবা য়ায়মোইদোবা য়থনি। কদায়চৎপ্রে, কদোম্দা লোৎপ্রে, হায়নাং নংনা ঈশ্বৎ তত্তনা থিয়ঙ্ঘ মীশকতো আহু আদা মখোঙথোংনা নঙোঙ্গোম্দা লাকপু লাকলে। মাগী লম্বীদা লৈরঙ্গা মখৈ মহাক্ত তুম্ন হাৎ হাত্তুনা লম্বী য়াৎতুনা লাকখি ॥৪১॥ য়থ অসিগী মখোঙ্গা, চেঙ্গকপগী মনিঙ্গা নোংনা ঙংবগুম্ তৌরি। পুন্নবা লেম্নবা হোৎবা মখোঙ অসিদগী কৃষ্ণ অর্জ্জুনগী য়থনি চায়বা অরুম্ মথঙলে ॥৪২॥ কর্ণ! য়থ অসগী চাকাগা লৈমায়গা তরুবদগী কাবকপা উক্কুল মপৈ অসিনা নোংমদোন পঙ্গা হাইগৎলকলি। অর্জ্জুনগী য়থগী চাকানা থেংব তকপদা পৃথ্বী-মাতাসি থকথক নীকতুনা খাঙবগুম্ তৌরি ॥৪৩॥ কর্ণ! নংগী লান্মী তেঙ্গোল মপৈ অসিগী অকোয়-বদা কম্লবা দুংশিংনা শীৎক্লকলি। শাহিংচাবা শাউচেকশিংনা লাক্ল লাক্ল খোংগৎলকই। শক্তিশওইনা ঐখোয়রোম্দা মমায় ওনশিন ওনশিন্দুনা থম্মোই শোক্ল কয়গুম্ খোংলি ॥৪৪॥ কর্ণ! মথকলোম্দা অমুক্ত য়েংথৎলু। অকিবগী মশকওইরবা, উবদা তুজু'বা পোক্লবা, চাউরবা মুয়বা নোংমতুং অমগুবা কোক য়াউত্রবা হকচাং অমনা নুমিৎকী মকোয়বু কুপশিল্লকলি ॥৪৫॥ কর্ণ! অমুক্তগা য়েংঙ্গনে। লাউচেক মখল মখল অদুগা কম্লবা কৈনোংশা মপৈমপৈনা চেনশিন্নরক্তুনা নুমিৎ লোম্দা মমীৎকুপ্তুনা য়েংথৎনরকৃরি। ॥৪৬॥ য়েংঙু অকিবগী মশক ওইরবা উয়োক-লাওজা শিংনা মপৈমপৈ পাইশিল্লক্তুনা মমায় মমায় ওক্লিমহনা থম্মোইশোক্ল খোংলি ॥৪৭॥ কর্ণ! য়েংঙু নহাকী য়থগী মঙ্গুংদা য়াক্লিবা খেৎলিবা কিরালশিং অদুগা চামরশিং অসে মথন মথন্তা, কনাকনাম্ন য়াওবনা হায়ঙ্গ নোমজয়কৃলি ॥৪৮॥ য়েংঙু কর্ণ! মশামউ কয়বা, যাংচাউরবা, শাফু কম্লবা, কম্লবা শগোলশিং অসে থকৃথক্ নীক্তুনা আকাশদা গরুড়না পাইবগুম্ তৌরি ॥৪৯॥ কর্ণ! উবিবা কম্রবা খুদম্ শিং অসিদগী কবি থওবগে হায়বমু—ঙসি কৌরব পক্ষগী লান্মী-নিংথৌ চামচামনা লিশিং লিশিংনা লৈমায় পক্ত যুলথিগৎকৌরি ॥৫০॥ রাধানন্দন কর্ণ! মায়কৈ পুমবগী পুংশেল ময়শিংগী, মোইবুংগী

বাণশব্দান্ বহুবিধান্ নরাশ্বরথনিস্বনান্। জ্যাতলত্রেষু শব্দাংশ্চ শৃণু কর্ণ! মহাত্মনাম্॥৫২॥
হেমরূপ্যপ্রমৃষ্টানাং বাসসাং শিল্পিনির্ম্মিতাঃ। নানাবর্ণা রথে ভান্তি শ্বসনেন প্রকম্পিতাঃ॥৫৩॥
সহেমচন্দ্রতারার্কাঃ পতাকাঃ কিঙ্কিণীযুতাঃ। পশ্য কর্ণার্জ্জুনস্যৈতাঃ সৌদামিন্য ইবাম্বুদে॥৫৪॥
ধ্বজাঃ কণকণায়ন্তে বাতেনাভিসমীরিতাঃ। বিভ্রাজন্তি রণে কর্ণ! বিমানে দৈবতে যথা।
সপতাকা রথাশ্চৈতে পাঞ্চালানাং মহাত্মনাম্॥৫৫॥
পশ্য কুন্তীসুতং বীরং বীভৎসুমপরাজিতম্। প্রধর্ষয়িতুমায়ান্তং কপিপ্রবরকেতনম্॥৫৬॥
এষ ধ্বজাগ্রে পার্থস্য প্রেক্ষণীয়ঃ সমন্ততঃ। দৃশ্যতে বানরো ভীমো দ্বিষতাং মন্যুবর্দ্ধনঃ॥৫৭॥
এতচ্চক্রং গদা শার্ঙ্গং শঙ্খঃ কৃষ্ণস্য ধীমতঃ। অত্যর্থং ভ্রাজতে কৃষ্ণে কৌস্তুভস্য মণিস্ততঃ॥৫৮॥
এষ শঙ্খগদাপাণির্বাসুদেবোঽতিবীর্য্যবান্। বাহয়ন্নেতি তুরগান্ পাণ্ডুরান্ বাতরংহসঃ॥৫৯॥

ভুজুংবা পোকহল্লবা খোঙ্জেলশিং তারি ॥৫১॥ কর্ণ! অমুক্তা তাও। লাল ঈতৌ তৌগ্নিতৌনা মথল মথা অয়াম্বা তেম্নচিংবা খুৎলায় কাপ্প থানবগী মখোয়া, লাম্নীশিং শগোল শামুশিং অহুগা রথশিংগী মখোয়া অহুগা লীরীখীওবগী খুখাওগা তেলগা থেংনবগী মখোয়া মকম্ পুম্বদা পুমনিল নিল্লকলি ॥৫২॥ রথশিং অসিগী মথক্তা য়ুংলিবা থেৎলিবা সনালুপাম' হৎলবা, মথুৎমশা হৈবনা কজনা শায়বা মচু তোঙাল তোঙালগী কিয়ালশিং আসে নুংশিৎনা কয় হুয়গা কেৎকেৎ হাইদুনা থাওবগুম্ খোক-থোক নোঙ্খগুম্ তৌরি ॥৫৩॥ কর্ণ! য়েংঙু। সনাগী সুমিৎ-খা পরাম্মিচাককি ময়েক-লোয়বা, মপান্দা খাংশরীক মচামচানা মখোল থোক্না হাইহমলিবা, অর্জ্জুনগী কিয়ালশিং অসিদি য়েংবদা নোংলক্ত কুপ্না নোংথাং মরী অমমমগুম্ উরি ॥৫৪॥ কর্ণ! অর্জ্জুনগী রথগী কিয়ালশিং আসে নুংশিৎনা হুম্বদা খাংশরীকশিংগী মখোলগা লোয়ননা ক্র-ক্র লাউনা হাট্রি। য়েংবদা লাইশিংগী বিমান (দালাই অপাইবী) মথক্ত থেৎপা কিয়ালগুম্ উরি। মহাত্মা ওইরবা পাঞ্চাল লাম্নীশিংগী কিয়াম থল্লুংলবা রথশিং অসিবু মথং মথং থৌজিল্লকলি ॥৫৫॥ য়েংঙু। কর্ণ! থোইনা কল্লবা, অমুক্ত কনাগী মথুত্তা মায়থীবা কংত্রিবা য়োংতোংব কীয়াল থেৎপা অর্জ্জুন আসে নংগী লাম্নীশিংবু অহুগা নহাকপু আক্রমণ তোগে হায়বগীদক কয়া ফুজিল্লকলি ॥৫৬॥ মায়গৈপুম্বদগী ঈওাল তায়, ময়েকলানা উরবা, য়েংবদা অকিবগী মশক পুরবা, য়েরুবশিংগী থম্মোয়দা নীওহমীওবগী রাখল পোকহল্লবা য়োং অচৌবা অসিনা অর্জ্জুনগী কীয়াল মতোন্দা নীওগায়দনা লৈরি ॥৫৭॥ শিংলবা ওপালবা কৃষ্ণগী শঙ্খ চক্রগদা, শার্ঙ্গকৌবা লীরুং—মখোয়সিনা কৃষ্ণগী লৈতেং অমমম্ ওইনা কয়াদা কজনা লৈরিবা। অসি খাইগী মথক্তা কৃষ্ণগী থবাক্ত লৈরিবা কৌস্তুভ অসিনা থোইনা অমুক নীওবিজরি ॥৫৮॥ ময়েংবান্দ শার্ঙ্গলীরুং য়াল্লিবা, গদাপায়বা, কল্লবা কৃষ্ণনা সুংশিৎকী মমাং থানা

এতৎ কূজতি গাণ্ডীবং বিকৃষ্টং সব্যসাচিনা। এতে হতবতা যুক্তা হত্যাবিদ্ধান্ শিতাঃ শরাঃ ॥৬০॥
বিশালায়ততাম্রাক্ষৈঃ পূর্ণচন্দ্রনিভাননৈঃ। এষা ভূঃ কীর্য্যতে রাজ্ঞাং শিরোভিরপলাবিলাম্ ॥৬১॥
এতে পরিঘসঙ্কাশাঃ পুণ্যগন্ধানুলেপনাঃ। উদ্যতায়ুধশৌণ্ডানাং পাত্যন্তে সাযুধা ভুজাঃ ॥৬২॥
নিরস্তনেত্রজিহ্বাশ্চ বাজিনঃ সহ সাদিভিঃ। পাতিতাঃ পাত্যমানাশ্চ ক্ষিতৌ ক্ষীণাশ্চ শেরতে ॥৬৩॥
এতে পর্ব্বতশৃঙ্গাণাং তুল্যরূপা হতা দ্বিপাঃ। সংছিন্নভিন্নাঃ পার্থেন প্রপতন্ত্যদ্রয়ো যথা ॥৬৪॥
গন্ধর্ব্বনগরাকারা রথা হতনরেশ্বরাঃ। বিমানানীব পুণ্যান্তে স্বর্গিণাং নিপতন্ত্যমী ॥৬৫॥
ব্যাকুলীকৃতমত্যর্থং পশ্য সৈন্যং কিরীটিনা। নানামৃগসহস্রাণাং যূথং কেশরিণা যথা ॥৬৬॥
ঘ্নন্ত্যেতে পার্থিবান্ বীরাঃ পাণ্ডবাঃ সমভিদ্রুতাঃ। নাগাশ্বরথপত্ত্যোঘাংস্তাবকান্ সমভিদ্রুতঃ ॥৬৭॥

চেন্নবা, ঙৌরোক ঙৌরবা শগোলশিং অসিবু কয়া থৌরকলি ॥৫৯॥ মথুৎলোয়রবা, মথুৎথুরবা অর্জ্জুননা পায়বা-চিংবসিদা গাণ্ডীব কৌবালীক্লং অসি কম মখোল থোয়কলি। গাণ্ডীব অসিদগী পাইথোরকপা থৌরবা তেলশিশিং লিশিংনা য়েক্লবা মপৈমপৈবু হাঞ্চিন্নকলি ॥৬০॥ অর্জ্জুনগী মমাঙদা চেন্দব, মরিল লৈবা নিংথৌশিংগী মঙক্লা লালকম অহু পূমকূপ কূপথ্রে। ঙক-কোকশিং অহুদা য়াওরিবা-পাল্লিবা মীৎশিং আসে কোয়রাওননা নীঙথিজে। কোয়ী মচুমাল্লবা পাকচাউরবা মাই-থোংশিং অসিনা অমময়া মপুংফারবা থা অমমমগুম্বা থোইনা নীঙথিজে। ॥৬১॥ লান্দা ময়াম কাবরা কল্লবা লাম্নীশিংনা মথুৎ মথুত্তা থুৎলায় পায়থৎলকপদা অর্জ্জুনগী তেমা হাঞ্জিন্নক্লা পাম্বোমশিং অসিবু ককপ্রবদা, থুৎলায় থাদোকত্রিবা, অমময়া য়োচ্ছক অমমমগা মায়রবা, মনম মুংশিরবা চন্দন মথল মথলতৈরবা পাম্বোমশিং অসনা তোঙাল তোঙাম্না তুমিন তুমিন লৈমায়থক্ত তারি ॥৬২॥ মখোয়গী মীৎ, লৈ, শিংলিনা উবীনচিংবা কোয়দৎ-থদৎ ককথত্তুনা লংথোয়কলবদা শগোলশিং কয়া কয়ানা মখোয়গী মথক্ত তোংলিবা অশ্বারোহী লাম্নীশিংগা অহুম লোয়ন লোয়ননা থরেক থরেক্লনা লৈমায়থকলোমদা তুথঙামথরকলে ॥৬৩॥ অর্জ্জুননা অমময়া চীংদুম চীংদুম্মুক চাউরবা শাম্নুশিং অহুবু মকূপ তানা তানা ককথৎলককলবদা অমময়া নুংকূপ মপৈ অমমমগুম থিক্লি ॥৬৪॥ মমুংদা তোংলম্বা নিংথৌ-লাম্নীশিং অহু হাৎপ্রথহুদদি, গন্ধর্ব্বশিংগী বিমান অমমমগী মতৌগুম্বা রথশিং অহুনা, মাগী মাগী পুণ্যকর্ম্মগী মহৈ চাবা লোইরবদা স্বর্গবাসী লাইশিংনা মর্ত্ত্যলোক্ত অমুক কূমথরকপদা তোংগুকপা বিমান অমমমগী মতৌগুম্বা লৈমায় থক্ত তুমিন তুমিন তাহুমা লৈরি ॥৬৫॥ কর্ণ! য়েংঙু, মোংশানা শজীশঙাই মপৈমপৈবু মৈফৎলকপহুগুম্বা অর্জ্জুন মথক্তনা কৌয়বলাম্নী মপৈবু নৈথাইয়কলি ॥৬৬॥ কুরুপক্ষগী অকনবশিংনি হায়রিবা মখোয়সিনা অর্জ্জুনগী মাঙদা হোঙ্চিন্নবদা পাণ্ডবশিংনা মখোয়বু তায় তায় হাৎলি। কৌরব পক্ষগী শগোলশাম্ রথী মপৈমপৈমা অহুগা থোঙমীশিংনা চঙশিন্নবদা মখোয়হুবু লোইনা পাণ্ডবশিংনা হাৎখ্রি ॥৬৭॥

এষ সূর্য্য ইবাম্ভোদৈশ্ছন্নঃ পার্থো ন দৃশ্যতে। অথাগ্রং দৃশ্যতে যস্য ধ্বজাগ্রঞ্চাপি আবর্ত্তে ॥৬৮॥
অদ্য দ্রষ্টাসি তং বীরং শ্বেতাশ্বং কৃষ্ণসারথিম্। নিঘ্নন্তং শাত্রবান্ সংখ্যে যং কর্ণ। পরিপৃচ্ছসি ॥৬৯॥
অদ্য তৌ পুরুষব্যাঘ্রৌ লোহিতাক্ষৌ পরন্তপৌ। বাসুদেবার্জ্জুনৌ কর্ণ। দ্রষ্টাস্যেকরথে স্থিতৌ ॥৭০॥
সারথির্যস্য বার্ষ্ণেয়ো গাণ্ডীবং যস্য কার্ম্মুকম্। তঞ্চেদ্ধন্তাসি রাধেয়। ত্বং নো রাজা ভবিষ্যসি ॥৭১॥
এষ সংশপ্তকাহূতস্তানেবাভিমুখো গতঃ করোতি কদনঞ্চৈষাং সংগ্রামে দ্বিষতাং বলী ॥৭২॥
ইতি ব্রুবাণং মদ্রেশং কর্ণঃ প্রাহাতিমন্যুমান্। পশ্য সংশপ্তকৈঃ ক্রুদ্ধৈঃ সর্ব্বতঃ সমভিদ্রুতঃ ॥৭৩॥
এষ সূর্য্য ইবাম্ভোদৈশ্ছন্নঃ পার্থো ন দৃশ্যতে। এতদন্তোঽর্জ্জুনঃ শল্য। নিমগ্নো যোধসাগরে ॥৭৪॥

শল্য উবাচ।

বরুণং কোঽম্ভসা হন্যাদিন্ধনেন চ পাবকম্। কোঽনিলং বা নিগৃহ্ণীয়াৎ পিবেদ্বা কো মহার্ণবম্ ॥৭৫॥
ঈদৃগ্‌রূপমহং মন্যে পার্থস্য যুধি নিগ্রহম্। ন হি শক্যোঽর্জ্জুনো জেতুং যুধি সেন্দ্রৈঃ সুরাসুরৈঃ ॥৭৬॥

নোং মপৈমপৈনা তুমিংপু কুপশিনখিবগুম্না কৌরবলাম্নী মীয়াম্না অর্জ্জুনবু মরোল কয়া কয়াম্না কোয়শিন খিবদা অর্জ্জুন অসি মশক উখিজে। অদুক উরিবা তারিবা হায়ববু অর্জ্জুনমা মরক মরক্ষ থীঙলকপা কৌরীথিঙবগী মখোনগা, খ্বাইমক্তগী মাংনাচাউনা থিনগৎলকলিবা অর্জ্জুনগী য়োংতোংবা কিয়ালগা অসিত্ত মঙায়রে। কর্ণ। নংনা হৌজিক্ত কদায় চৎপ্রে হায়না হম হম্না হংগুবা অর্জ্জুনদো নমাঙমক্তদা উগদবা খজিক্ত মঙায়রে। মহাক হৌজিক্ত কৌরবলাম্নী পুম্বা তুম্না হাৎকে হায়না তৌরিয়ে,— অদুননি পাক হেক উনবা কংগ্রিবা ॥৬৯॥ কর্ণ। নহাক ওসিদি রথঅমত্তদা তোংমিন্নবা, য়েঙবা গুম্বা, নীংবিজরবা, মমীৎঙাওলবা কৃষ্ণঅর্জ্জুন অনীগী দর্শন ময়েক লানা কংজয়নি ॥৭০॥ রাধানন্দন। কৃষ্ণনা সারথি ওইরিবা, মাগী লীরংনা গাণ্ডীবনা ওইরিবা, অর্জ্জুন অসিবু নংনা ওসি মহাৎলম্না, অদু ওইরবদি পাকচাউরবা ভূখণ্ড অসিগী ঐখোয়খ্বাইগী অমত্ত ওইবা নিংথৌরেন্দি নহাক্না মশোয়- জবনি ॥৭১॥ সংশপ্তক লাম্নীশিংনা শীঙনদুনা অর্জ্জুনবু কৌখোক্লবদা কয়বা অর্জ্জুন "আসে" মখোয়- য়োমদা চঙশিনখিদুনা মখোয়বু নৈব হোৎনরি ॥৭২॥ শল্যনা অদুম্না হায়রবদা কর্ণঅসি খোইম্না শাউখিদুনা অদুম্না হায়খি :—মদ্রনিংথৌ। নং উম্না ? য়েংঙু। আদা সংশপ্তক লাম্নীশিংনা অর্জ্জুনবু মশক উনবমথৈ কোয়শিল্লরে ॥৭৩॥ নোংনা তুমিংপু কুপশিনখিবগুম্ সংশপ্তকশিংনা অর্জ্জুনবু পুমকোয় কোয়শিনরে। অদুনা অর্জ্জুন অসি মশক গুকট উখিজে। শল্য। নংগী অর্জ্জুন আসে লাম্নী ঈপাক্ত মরেপথুম্না লুপখ্রে। অমুক কাওগৎলক্ররোই। অদুনা ওসিদি মাগী অরোইবা তুমিৎনি ॥৭৪॥ শল্যন হায়ঃ—কর্ণ। ঈশিং মপৈনা বরুনদেবতাবু হাৎখি হায়বসি তারম্না ? কংলবা শীংমথং মথং মাঙশিন্নগা মৈয়ুক্লখৎপা য়াম্না ? কনানা তুংশিৎপু কাবা-পূনবা ওম্মি ? কনানা মহাসমুদ্রবু অমুক্তদা থকতোকপা ওম্মি ? ॥৭৫॥ ঐনা হায়রিবশিংসে অমত্ত ওইখোবুতবগুম্না অর্জ্জুনবু হাৎপসু ওইখোক্তবনি।

অথবা পরিতোষয়ে যাচোক্তা সুমনা ভব। ন স শক্যো বৃথা জেতুমন্যং কুরু মনোরথম্ ॥৭৭॥
আহ ত্র্যাম্বকভূমিং দহেৎ ক্রুদ্ধ ইমাঃ প্রজাঃ পাতয়েত্রিদিবাদ্দেবান্ যোঽর্জ্জুনং সমরে জয়েৎ ॥৭৮॥
পশ্য কুন্তীসুতং বীরং ভীমমক্লিষ্টকারিণম্। প্রভাসন্তং মহাবাহুং স্থিতং মেরুমিবাপরম্ ॥৭৯॥
অমর্ষী নিত্যসংরব্ধশ্চিরবৈরমনুস্মরন্। এষ ভীমো জয়প্রেপ্সুর্যুধি তিষ্ঠতি বীর্য্যবান্ ॥৮০॥
এষ ধর্ম্মভৃতাং শ্রেষ্ঠো ধর্ম্মরাজো যুধিষ্ঠিরঃ। তিষ্ঠত্যসুকরঃ সংখ্যে পরৈঃ পরপুরঞ্জয়ঃ ॥৮১॥
এতৌ চ পুরুষব্যাঘ্রাবশ্বিনাবিব সোদরৌ। নকুলঃ সহদেবশ্চ তিষ্ঠতো যুধি দুর্জয়ৌ ॥৮২॥
দৃশ্যন্ত এতে কার্ষ্ণেয়াঃ পঞ্চ পঞ্চাচলা ইব। ব্যবস্থিতা যোদ্ধুকামাঃ সর্ব্বেঽর্জ্জুনসমা যুধি ॥৮৩॥
এতে দ্রুপদপুত্রাশ্চ ধৃষ্টদ্যুম্নপুরোগমাঃ। স্ফীতাঃ সত্যজিতো বীরাস্তিষ্ঠন্তি পরমৌজসঃ ॥৮৪॥
অসাবিন্দ্র ইবাসহ্যঃ সাত্যকিঃ সাত্বতাং বরঃ। যুযুৎসুরুপযাত্যস্মান্ ক্রুদ্ধান্তকসমঃ পুরঃ ॥৮৫॥

মরমদি ইন্দ্রমরু লোয়নরবা লাইয়াম্না অর্জ্জুন মথন্তবু জয় তৌবা ঙমদ্রি ॥৭৬॥ কর্ণ। নংনা নপানা ঙাঙজরিবা রাশিং অহনা থম্মোয়দা পেঙ্গববু কংলবদি মাহুম্ হায়রুনা লৈয়ু। অহুগা চায়না হায়রুরবদি অর্জ্জুনবু কনাগুম্ব অমনা হাৎপদি ওইথোকতবনিকো। অহুনা কর্ণ। নংনা অর্জ্জুনবু হাৎপা-ঙম্বা পাম্লিবদো তোকথোকলো, মাসি নত্তবা নংনা পাম্ব জগৎ অসিদা অম থম্লো, অসিমদি থল্লুরগু ॥৭৭॥ অর্জ্জুনবু ঙম্লবা নিপা অহুদি মপান্থোম অনীনা পৃথিবীবু থাংগৎলগা গুজ্র দা তাউহনা চৎপা ঙম্গনি, লোকপুম্বব্ চাকথেকহনবা ঙমগনি, স্বর্গদগী লাইরাম পুম্ববু মর্ত্ত্যলোকত তাম্বরকপা ঙমগনি ॥৭৮॥ কর্ণ। য়েংঙু। নাকল অমদা, কুন্তীগী মচা কল্লবা, মপান্থোম চাউরবা, লালবু-য়েরুববু লায়না জয়তৌওম্বা, অকনবগী গুণতেজ পুম্বনা তিল্লবা, পুমঙাল ঙাম্ব লৈরবা মহাবীর ভীমসেন অসিস্থ আদা সুমেরু চীঙজাও অমগুম্বা খিন্দুনা লৈরে ॥৭৯॥ মীনা লাকচবা খাঙঙম্দবা, সুমিৎচুপ্পা শাউনঙাক লৈবগুম্বা, অকনবা ভীমসেন কৌবসে মমাংঙৈদা দুর্য্যোধননা তৌখিব পুম্বহু করিমত কাউদনা লমনখুমগদবগী মুক্তুনা আদা লৈরি ॥৮০॥ লান্দা য়েরুবশিংনা লাকওম কাঙমদবা, য়েরুবগী নগরসম্পত্তি খুদক্তলোওম্ব, ধর্ম্মচেনবগী অথোইবা ধর্ম্মরাজ যুধিষ্ঠিরস্থ আদা য়েরুবা থেংনগদবগী থৌরাং লোইগুনা লৈরি ॥৮১॥ নিপা অথোইবা, লান্দা মযাম্রবা অমনা লাকওম কাঙম্দবা, অশ্বিনীকুমার কৌবা দেবতা অনীগী মতৌগুম্বা কজবা, নকুলসহদেব মচীনমনাও অনীস্থ শেমশাহুনা লৈরি ॥৮২॥ দ্রৌপদীগী মচা মঙাস্থ মাগী মাগী রথদা তোংহুনা ঈজান ঙাম্ব লৈরি। মথোয় অসি লান্দদি অর্জ্জুনদগী থোইনা তাজ্রবনি। মথোয় মঙা অসি লাম্বেনীংহুনা চীঙচুম মঙাগী মতৌগুম্বা আদ লৈরি য়েংঙু। ॥৮৩॥ এনা মকল্লে হায়না কল্লিবা, কনম্বকনবা, থাংগৈশেংনা লাত্ত ঙমহুনা লাক্লিবা, তেজ কল্লবা ধৃষ্টদ্যুম্নচিংবা দ্রুপদগী মচাশিংস্থ আদ লৈবর্ত্তি ॥৮৪॥ "অরুপা ইন্দ্রগী মতৌগুম্বা থাঙবা ঙমদবা শক্তিনা মহাকী ওইবা

ইতি সংবদতোরেব তয়োঃ পুরুষসিংহয়োঃ। তে সেনে সমসজ্জেতাং গঙ্গাযমুনবদ্ভৃশম্ ॥৮৩॥
ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
কর্ণশল্যসংবাদে পঞ্চত্রিংশোঽধ্যায় ॥৩। *

শাশ্বতবংশগী অথোইবা সত্যকিসু ঐথোয়গা থেংনগদবগী য়েংঙু, অদু আদ ভাইহুনা নৈবে ॥৮৫॥ নিপা অথোইবা শল্যগা কর্ণগা মতো অসুম্না রাগী শান্নরিঙৈসিনরুদা কৌরবলাগী মপৈগা পাণ্ডবলাগী মপৈগা গঙ্গা-যমুনা অনীনা হাইজিন ফুজিন্নরকপগী মতৌগুম্না থেংনরকলে ॥৮৬॥

মকম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা কর্ণশল্য সংবাদগী কুন্থ্রামঙাশুবা অধ্যায় লোইরে ॥×॥×॥×॥×॥×॥×॥

শ্রীমহাভারতম্

ষট্ ত্রিংশোঽধ্যায়ঃ।

(কুন্থ্রাতরুককুবা অধ্যায়)

(কর্ণ পর্ব্বগী অকনবা লালগী মতাং)

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ

তথা ব্যূঢ়েষনীকেষু সংসক্তেষু চ সঞ্জয়। সংশপ্তকান্ কথং পার্থো গতঃ কর্ণশ্চ পাণ্ডবান্ ॥১॥
এতদ্বিস্তরশো যুদ্ধং প্রব্রূহি কুশলো হ্যসি। ন হি তৃপ্যামি বীরাণাং শৃণ্বানো বিক্রমান্ রণে ॥২॥

সঞ্জয় উবাচ

তৎ সংস্থিতমথো দৃষ্ট্বা প্রত্যমিত্রবলং মহৎ। অব্যূহতার্জ্জুনো ব্যূহং পুত্রস্য তব দুর্নয়ে ॥৩॥

ধৃতরাষ্ট্রনা হায়ঃ—সঞ্জয়! লান্মীতেঙ্গোল মপৈ অনীনা অমুম্না থেংনরক্লবদা অর্জ্জুননা মতৌকরম্না মরক অসিদা সংশপ্তক লাঙ্মীশিংগী মায়ৈগীদা চঙশিন্‌খিহুনা থেংনখিবগে। অমুগা মতৌ করম্না কর্ণনা পাণ্ডবলাঙ্মীশিংগী মায়ৈগীদা চঙশিন্‌খিবগে? ॥১॥ সঞ্জয়! নং অসে তাওবদা ওস্থোক্না হৈথ্রে। অদুনা কর্ণগী লাল অদো মচাখায়না রাত্তনা অয়ুক লীরকউ। মরমদি অকনব ক্ষত্রিয়শিংগী লালগী মরমদা তাবসে ঈপেন পেস্ত্রি ॥২॥ সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ! অহুবী দুর্নয় অর্জ্জুননা য়েরুবা পকগী পাকচাউরবা লাঙ্মী মপৈ অদু তম্না মরাম তমথিবহু উবদা

তৎ সাদিনাগকলিলং পদাতিরথসঙ্কুলম্। ধৃষ্টদ্যুম্নমুখং ব্যূহমশোভত মহাবলম্ ॥৪॥
পারাবতসবর্ণাশ্বশ্চন্দ্রাদিত্যসমদ্যুতিঃ। পার্ষতঃ প্রবভৌ ধন্বী কালো বিগ্রহবানিব ॥৫॥
পার্ষতমভিতস্তস্থুর্দ্রৌপদেয়া যুযুৎসবঃ।
দিব্যবর্ম্মায়ুধধরাঃ শার্দ্দূলসমবিক্রমাঃ। সানুগা দীপ্তবপুষশ্চন্দ্রং তারাগণা ইব ॥৬॥
অথ ব্যূঢেষ্বনীকেষু প্রেক্ষ্য সংশপ্তকান্ রণে। ক্রুদ্ধোঽর্জ্জুনোঽভিদুদ্রাব ব্যাক্ষিপন্ গাণ্ডিবং ধনুঃ ॥৭॥
অথ সংশপ্তকাঃ পার্থমভ্যধাবন্ বধৈষিণঃ। বিজয়ে ধৃতসঙ্কল্পা মৃত্যুং কৃত্বা নিবর্ত্তনম্ ॥৮॥
তদশ্বৌঘবহুলং মত্তনাগরথাকুলম্। পত্তিমচ্ছূরবীরৌঘং দ্রুতমর্জ্জুনমার্দ্দয়ৎ ॥৯॥
স সম্প্রহারস্তুমুলস্তেষামাসীৎ কিরীটিনা। তস্যৈব নঃ শ্রুতো যাদৃঙ্নিবাতকবচৈঃ সহ ॥১০॥
রথানশ্বান্ ধ্বজান্ নাগান্ পত্তীন্ রণগতানপি। ইষূন্ ধনূংষি খড়্গাংশ্চ চক্রাণি চ পরশ্বধান্ ॥১১॥

লচাইবুত্তোগী কত্রবা নীনিনা পুনশ্রবা কর্ণস্ত কৌরবলাগী পূরমকপু ব্যূহগী মত্তোংদা চপচানা লেপহল্লুনা থম্রে ॥৩॥ মতম অদুদা শগোল শামু রথ খোঙমীশিংতনা পীক্ থন্না লৈশ্রবা, অদুগা মথোয়দগী মরক্তা ধৃষ্টদ্যুম্ননা মরু ওইনা লৈম্লিবা, পাণ্ডব তেজোলশিং অসি য়েংবদা থোয়না নীঙথিজৈ ॥৪॥ চুমিৎ থা অনীগী মত্তোঙম্না তেজ লৈরবা মহাধনুর্দ্ধারী ধৃষ্টদ্যুম্ন অসি মূর্ত্তিনাইবা কাল কৌবা লাইগী মত্তোঙম্না মশেক্ মতাম্ন থম্ন লৈরম্মি। মহাক্কী রথ অসিদা লম্থুনুগী মচু মান্নবা শগোল মরি পাল্লি ॥৫॥ থাগী মনাক্তা অকোয়বদা য়মিং নাইবা থয়ানমিচাকশিংনা ঈঙাল ঙাম্না লৈবন্থুঙম্না কৈগী মত্তোঙম্না মন্নিল লৈরবা, লাইগীমক্ত ওইবা খুৎলায় কিজেংঙ্গা লোয়নরবা দ্রৌপদীমচাশিংনা ধৃষ্টদ্যুম্নগী অকোয়বদা লৈহুনা লালগী তৌয়াং তৌরি ॥৬॥ অসিগী তুংদা, লাম্মী পূরমক্ মকম মতম্ চানা লেপ্পত্রবদা অর্জ্জুননা লালকম্ অদুদা সংশপ্তক লাম্মীশিংবু উবদা য়াম্ন শাউনথিহুনা গাণ্ডীবধনু খুতম্ চেৎনা পায়হুনা লীরীবু নাকোং মরু কংনা চীংহুনা মথোয় তম্ন কুজিনথি ॥৭॥ অদুগী তুংদা সংশপ্তক লাম্মীশিংনা অর্জ্জুনবু হাৎনীঙহুনা অদুগা জয় ওইগনি হায়বগী আশা কম্ন তৌহুনা লালকমদা শিবতনা নিবৃত্তিগী হায়বদি শাস্তি কংথিনবগী অথোইবা মরম্নি হায়না থম্নথিহুনা অর্জ্জুন তম্না চেন্শিন্নকই ॥৮॥ অদুগী তুংদা সংশপ্তক লাম্মীশিং অদুগী শগোল তোংবা, শামু তোংবা, রথী অমদি খোঙমীশিংনা থুনা য়াঙনা চেনশিন্নকুনা অর্জ্জুনদা চৈনা কম্ন পীথ হৌরক্লে ॥৯॥ মতম্ অমদা নিবাতকবচশিংগা অর্জ্জুনগা থেংনথিবা, ঐখোয়না তানরিবা লান্নাও অদুঙম্না অর্জ্জুনগা সংশপ্তক লাম্মীশিংগা থেনেথি ॥১০॥ অদুগী তুংদা অর্জ্জুননা, লালকম্ অদুদা হেক্ চত্তলিন্নরিবা য়েক্কবশিংদুগী শগোল শামু রথ, কিরাল, খোঙমী, থাঙ, গদা, লীরূং, তেল, তানচিংবা খুৎলায়গা লোয়ন লোয়ননা য়েক্কবশিংগী মঙকৃশিং অদুবু অদুগা হাইগৎলবা পায়থৎলবা খুৎলায়গা

সায়ুধান্ সহস্তান্ বাহূন্ বিবিধান্যায়ুধানি চ। চিচ্ছেদ দ্বিষতাং পার্থঃ শিরাংসি চ সহস্রশঃ ॥১২॥

(যুগ্মকম্)

তস্মিন্ সৈন্যমহাবর্ত্তে পাতালতলসন্নিভে। নিমগ্নং তং রথং মত্বা নেদুঃ সংশপ্তকাস্তদা ॥১৩॥

স পুরস্তাদরীন্ হত্বা পুনরুত্তরতোঽবধীৎ। দক্ষিণেন চ পশ্চাচ্চ ক্রুদ্ধো রুদ্রঃ পশূনিব ॥১৪॥

অথ পাঞ্চালচেদীনাং সৃঞ্জয়ানাঞ্চ মারিষ॥ ত্বদীয়ৈঃ সহ সংগ্রাম আসীৎ পরমদারুণঃ ॥১৫॥

কৃপশ্চ কৃতবর্ম্মা চ শকুনিশ্চাপি সৌবলঃ। হৃষ্টসেনাঃ সুসংরব্ধা রথানীকপ্রহারিণঃ ॥১৬॥

কৌশল্যৈঃ কাশিমৎস্যৈশ্চ কারূষৈঃ কেকয়ৈরপি। শূরসেনৈঃ শূরবরৈর্যুযুধুর্যুদ্ধদুর্ম্মদাঃ ॥১৭॥ (যুগ্মকম্)

তেষামন্তকরং যুদ্ধং দেহপাপ্মাসুনাশনম্। ক্ষত্রবিট্‌শূদ্রবীরাণাং ধর্ম্ম্যং স্বর্গ্যং যশস্করম্ ॥১৮॥

দুর্য্যোধনোঽথ সহিতো ভ্রাতৃভির্ভরতর্ষভ॥ গুপ্তঃ কুরুপ্রবীরৈশ্চ মদ্রাণাঞ্চ মহারথৈঃ ॥১৯॥

পাণ্ডবৈঃ সহ পাঞ্চালৈশ্চেদিভিঃ সাত্যকেন চ। যুধ্যমানং রণে কর্ণং কুরুবীরোঽভ্যপালয়ৎ ॥২০॥

(যুগ্মকম্)

লোয়নবা পান্থোম্ মখুৎশিং অহুবু কক্ কক্ন। থাদখি ॥১১-১২॥ মতম্ অদুদা অর্জ্জুনগী রথ অদু পাতাল কাওবগুম্ লৈবা লান্মী ঈপাক্লুংদা শূপ্‌থ্রে পূখ্‌থ্রে হায়না উহুনা য়েক্লবা সংশপ্তক লান্মীশিংনা হয় উ তমায় কয় কয়া লাউখোংনখি ॥১৩॥ মতম্ অদুদা পশুপতি রুদ্রনা অগংকী জীব পুম্নমক পশু পুম্নমকপু স হায় তৌরকপদুগুম্না মমাওথংবা সংশপ্তক লান্মীশিং অহুবু তুম হাৎলগা য়েৎ ওয় হাই হাইদুনা য়েৎ ওয় অমদি মনাওলোম্‌দা, মাগী তুংলোম্‌দা লৈরিবা য়েক্লবা সংশপ্তক লান্মী-শিংবু তুম হাৎপা হৌরক্লে ॥১৪॥ ঈকায় খুম্নবগী মশক্ ওইরবা নিংথৌ। মহারাজগী কৌরব তেংগোলগী অকনবশিংগা পঞ্চালচেদি সৃঞ্জয়শিংগা অকিবা কংনা থেংনবা হৌরক্লে ॥১৫॥ অদুদগীদি, থোইদোক্না শাউরবা চৈথা চৈফূ হৈরবা, লান্দা লাকগুম্ ফাওম্‌দবা কৃপাচার্য্য, কৃতবর্ম্মা, সুবলগী মচা শকুনি, মথোয় অসিনা পাণ্ডব পক্ষরোম্‌দা য়াওরিবা কোশল কাশী, মৎস্য, কারূষ, কেকয় অদুগা শূরসেনগী অকনবশিংগা হকথেংনন। শোক্লবা হৌরক্লে ॥১৬-১৭॥ মতম্ অদুদা, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য অমদি শূদ্র জাতিশিংগী লাল্লাও অহনা অকনবশিং কয়া কয়াগী হকচাং, থবাই, অমদি পাপ্‌ পূম্নমক্ অসিবু মীকুপ্‌ মীকুপ্ত মপৈ মপৈ মাঙহনবা হৌরক্লে। লাল্লাও অদুনা অকনবশিং অদুগী ধর্ম্ম, স্বর্গ, মিংচৎ অহম্ অসিবু মীকুপ্‌ মীকুপ্তা হেনগৎহল্লি ॥১৮॥ ভরত শাগেগী অথোইবা। মহারাজ। অসোম্‌দা কর্ণনা লালকম্ অদুদা পাণ্ডবশিং, পাঞ্চালশিং, চেদিশিং অদুগা সাত্যকিগা কয় থেংনবা হৌরক্লবদা কুরুবীর দুর্য্যোধননা মনাওশিংগা লোয়ননা য়াম্ন চেকশিন্না কর্ণবু ঙাকশেন্নদুনা লৈরি। অদুগা অমুক, কৌরবকী অকনবশিংনা অদুগা মদ্রদেশগী মহারথীশিংনা দুর্য্যোধনবু চেকশিন্না ঙাকশেন্দুনা থম্লি ॥১৯-২০॥

কর্ণোঽপি নিশিতৈর্বাণৈর্বিনিহত্য মহাচমূম্‌ । প্রযুক্ত চ রথশ্রেষ্ঠান্‌ যুধিষ্ঠিরমপীড়য়ৎ ॥২১॥
বিবর্ম্মযুধদেহাসূন্‌ কৃত্বা শত্রূন্‌ সহস্রশঃ । যুক্ত্যা স্বর্গযশোভ্যাঞ্চ স্বেভ্যো মুদমুদাবহৎ ॥২২॥
এবং মারিষ । সংগ্রামো নরবাজিগজক্ষয়ঃ । কুরূণাং সৃঞ্জয়ানাঞ্চ দেবাসুরসমোঽভবৎ ॥২৩॥

ধৃতরাষ্ট্র উবাচ

যত্তৎ প্রবিশ্য পার্থানাং সৈন্যং কুর্বন্‌ জনক্ষয়ম্‌ । কর্ণো রাজানমভ্যচ্ছ র্ত্তমমাচক্ষ্ব সঞ্জয় । ॥২৪॥
কে চ প্রবীরাঃ পার্থানাং যুধি কর্ণমবারয়ন্‌ । কাংশ্চ প্রমথ্যাধিরথির্যুধিষ্ঠিরমপীড়য়ৎ ॥২৫॥

সঞ্জয় উবাচ ।

ধৃষ্টদ্যুম্নমুখান্‌ পার্থান্‌ দৃষ্ট্বা কর্ণো ব্যবস্থিতান্‌ । সমভ্যধাবত্ত্বরিতঃ পাঞ্চালান্‌ শত্রুকর্ষণঃ ॥২৬॥
তং তূর্ণমভিধাবন্তং পাঞ্চালা জিতকাশিনঃ । প্রত্যুদ্যযুর্মহাত্মানং হংসা ইব মহার্ণবম্‌ ॥২৭॥
ততঃ শঙ্খসহস্রাণাং নিস্বনো হৃদয়ঙ্গমঃ । প্রাদুরাসীদুভয়তো ভেরীশব্দশ্চ দারুণঃ ॥২৮॥
নানাবাদিত্রনাদশ্চ দ্বিপাশ্বরথনিস্বনঃ । সিংহনাদশ্চ বীরাণামভবদ্দারুণস্তদা ॥২৯॥

কর্ণসু অসোমদা মাগী থৌব থৌরবা থুংলায়না পাণ্ডবশিংগী লাম্মীমপৈ অদুবু হাংথোল্লক্ত্না যুধিষ্ঠিরবু নৈৎ হৌরকলে ॥২১॥ অদুগ কর্ণনা হেক্লবা লিশিং লিশিংগী থরাই হকচাং থুংস্তথুংলায় তুম মাঙহল্লক্তুনা মথোযবুসু ধর্ম্ম, মিংচৎ, কংহনখিদুনা কৌরব লাম্মীশিংবু নুংঙাইহনখি ॥২২॥ ঈকায়-থুম্নবগী মশকওইরবা নিংথৌ । লাল অদু মতৌসুম্না দেবাসুরগী লালগুম্না অকিব কংনা শোকনরকলি । লাঞ্জাও আসদা কৌরব পাণ্ডবপক্ষ অনীমক্তী শগোলশামু রথী থোঙমী কযাকয়া মথীৎলাকওমদনা শিগ্রে ॥২৩॥ ধৃতরাষ্ট্রনা হায় :—সঞ্জয় । কর্ণনা পাণ্ডবলাম্মী মপৈগী মরক্ত চঙখিদুনা য়েক্লবা লাম্মীশিংবু অতৎ অথম লৈতনা হাৎন হাৎনা মতৌকরম্না যুধিষ্ঠিরবু নৈখিবগে ? মাদুগী মতাংগ য়াম্ন তানীড়িঙ, শন্দোক্না অমুক্ত লীথবক্ট ॥২৪॥ পাণ্ডবপক্ষগী অকনবা কনাকনানা, মতম অদুদা কর্ণবু থিংখবগে অদুগা কর্ণনা থিংলিবা মথোয়বু নৈথেক্লম্লগা মতৌকরম্না যুধিষ্ঠিরগী নাক থৌখিদুনা মহাকপু নৈখিবগে ? ॥২৫॥ সঞ্জয়না হায :—মহারাজ । য়েক্লবা হাৎভম্বা কর্ণনা ধৃষ্টদ্যুম্নচিংবা পাঞ্চালশিং অদুগা পাণ্ডবশিংনা লাম্থেংনবগী থেম্দুনা লৈবদু উবদা য়াম্ন থুংলৈথুনা মশোয়রোমদা প্রগ্রপ্‌ কৃজিল্লকই ॥২৬॥ মরিললৈরবা কর্ণনা চঙশিল্লকপসিদা ঙানুকাংওশিংনা সমুদ্র ঈপাকতম পাইশিনখিব-হুগুম্না পাঞ্চাল্‌ লাম্মীশিং অদুসু কর্ণরোমদা থুনায়াঙনা চঙশিল্লকই ॥২৭॥ মতম অদুদা পুংশেল মোইবুং লিশিংলিশিংগী মথোল্লা পক্ষঅনীমক্তগী থোক্লরক্ত্না আকাশ পাতাল পূমনিন নিগ্রে ॥২৮॥ মতম্‌ অদুদা মথলমথা অরাম্বা পুংশেলযন্ত্রগী অদুগা শগোলশামুলিশিং লিশিংগী মথোল্লা অদুগা অকনবা লাম্মীশিং অদুগী তম্থিনা হৌরবা সিংহনাদগী মথোল্লা লালকম্‌ অদু পূমনিন নিনগ্রে ॥২৯॥ মতম্‌ অসিদা মহারাজ । চীঙ-তুরেল হৈপাললৈপাল রাংচাউরবা, সমুদ্রঈরম তরেংকা লোয়ননা

সাদ্রিদ্রুমার্ণবা ভূমিঃ সবাতাম্বুদমম্বরম্। সার্কেন্দুগ্রহনক্ষত্রা দ্যৌশ্চ ব্যক্তং বিঘূর্ণিতা ॥৩০॥
ইতি ভূতানি তং শব্দং মেনিরে তে চ বিব্যথুঃ। যানি চাপ্যল্পসত্ত্বানি প্রায়স্তানি মৃতানি চ ॥৩১॥
অথ কর্ণো ভৃশং ক্রুদ্ধঃ শীঘ্রমস্ত্রমুদীরয়ন্। জঘান পাণ্ডবীং সেনামাসুরীং মঘবানিব ॥৩২॥
স পাণ্ডববলং কর্ণঃ প্রবিশ্য বিসৃজন্ শরান্। প্রভদ্রকাণাং প্রবরানহনৎ সপ্তসপ্ততিম্ ॥৩৩॥
ততঃ সুপুঙ্খৈর্নিশিতৈ রথশ্রেষ্ঠো রথেষুভিঃ। অবধীৎ পঞ্চবিংশত্যা পাঞ্চালান্ পঞ্চবিংশতিম্ ॥৩৪॥
সুবর্ণপুঙ্খৈর্নারাচৈঃ পরকায়বিদারণৈঃ। চেদিকানবধীদ্বীরঃ শতশোঽথ সহস্রশঃ ॥৩৫॥
তং তথা সমরে কর্ম কুর্বাণমতিমানুষম্। পরিবব্রুর্মহারাজ! পাঞ্চালানাং রথব্রজাঃ ॥৩৬॥
ততঃ সন্ধায় বিশিখান্ পঞ্চ ভারত! দুঃসহান্। পাঞ্চালানবধীৎ পঞ্চ কর্ণো বৈকর্ত্তনো বৃষঃ ॥৩৭॥
ভানুদেবং চিত্রসেনং সেনাবিন্দুঞ্চ ভারত!। তপনং শূরসেনঞ্চ পাঞ্চালানহনদ্রণে ॥৩৮॥
পাঞ্চালেষু চ শূরেষু বধ্যমানেষু সায়কৈঃ। হাহাকারো মহানাসীৎ পাঞ্চালানাং মহাহবে ॥৩৯॥

পৃথিবী, নোংজুংশিংকা লোয়ননা অতিয়া মকোয়, সুমিৎ থা থবানমিচাকা লোয়ননা নোংমদোন অসি পূম্নমক থকথক নীরুখি ॥৩০॥ মতৌ অসুম্না কয়া লাউনখোংনরকপগী খোঞ্জেল অসি তাবদা জীবপানবা পুম্না থম্মোয়শোক্ল ঝানখি। থম্ব শোনবা, মিপাইগনবা মীদি মখোস্ত তাবদ মথ্ৰাই থায় ॥৩১॥ মতম্ অদুদা থোইদোক্লা শাউগ্রবা কর্ণ অসি থোয়থোরবা খুৎলায় ময়াম কাপশিল লংশিন্নক্তনা ইন্দ্রনা দৈত্যদানব ময়াম্সু হাৎচিন্নকপন্থঙমা পাণ্ডব লাম্মীশিংবু মপৈমপৈ হাৎপা হৌরকলে ॥৩২॥ মতৌ অসুম্না কর্ণনা পাণ্ডব লাম্মীশিংগী ময়ক্তা চঙখিদুনা মরুমরুওইবা প্রভদ্রকক লাম্মী হুম্ফূতরাতরেৎ হাৎখি ॥৩৩॥ অদুদগী রথি অথোইবা কর্ণনা থোইনা থোরবা সনানা তেন্না পানবা তেল কুন্দতানা পাঞ্চালগী অথোইবা-মরু ওইবা লাম্মীকুমতাবু হাৎখি ॥৩৪॥ অদুদগী মহাবীর কর্ণনা সনানা হেন্না তেতৈপানবা মেত্তুম মচীনশাবা চামচামবু অমুকমুক্ত কাপশিন্নক্তনা চেদি লাম্মীলিশিং লিশিংবু হাৎলে ॥৩৫॥ মহারাজ! কর্ণনা মতৌ অসুম্না লালকমদা মীঅমনা তৌঙমদবা থবক তৌরক্লবদা পাঞ্চাল লাম্মীশিংনা পুন্নপ হৌদুনা চেলশিন্নক্তনা কর্ণবু পূমকোয় কোয়রমে ॥৩৬॥ ভরতনন্দন! মতম্ অসিদা বৈকর্ত্তন অমদি বৃষকর্ণনা * মীঅমনা থাঙতমদবা চৈনা পীঙ্বা থোরবা তেলমঙানা পাঞ্চাল লাম্মীশিংগী মপুংদা অকনবা অকাওবা পাঞ্চাল লাম্মীমঙাবু হাৎখি ॥৩৭॥ ভরতনন্দন! কর্ণনা হাৎখিবা পাঞ্চালগী লাম্মীমঙা অদুদি ভানুদেব, চিত্রসেন, সেনাবিন্দু, তপন অমসুং শূরসেন হায়বা মখোয়মঙা অসিনি ॥৩৮॥ কর্ণনা তেতুমা লাঞ্জাও অদুদা পাঞ্চাল লাম্মী

---

* টীকা :—মশাদগী কবচ কক্তনা পীখোকখিবদগী বৈকর্ত্তন কৌখি। মামনা কল্লি হায়দুনা বৃষকর্ণ কৌই।

পরিপেতুর্মহারাজ! পাঞ্চালানাং রথা দশ। পুনরেব চ তান্ কর্ণো জঘানাশু শরত্রিভিঃ ॥৪০॥
চক্ররক্ষৌ তু কর্ণস্য পুত্রৌ মাদ্রিপ। দুর্জয়ৌ। সুষেণঃ সত্যসেনশ্চ ত্যক্ত্বা প্রাণানযুধ্যতাম্ ॥৪১॥
পৃষ্ঠগোপ্তা তু কর্ণস্য জ্যেষ্ঠঃ পুত্রো মহারথঃ। বৃষসেনঃ স্বয়ং কর্ণং পৃষ্ঠতঃ পর্য্যপালয়ৎ ॥৪২॥
ধৃষ্টদ্যুম্নঃ সাত্যকিশ্চ দ্রৌপদেয়া বৃকোদরঃ। জনমেজয়ঃ শিখণ্ডী চ প্রবীরাশ্চ প্রভদ্রকাঃ ॥৪৩॥
চেদিকেকয়পাঞ্চালা যমৌ মৎস্যাশ্চ দংশিতাঃ। সমভ্যধাবন্ রাধেয়ং জিঘাংসন্তঃ প্রহারিণম্ ॥৪৪॥
(যুগ্মকম্)

ত এনং বিবিধৈঃ শস্ত্রৈঃ শরধারাভিরেব চ। অভ্যবর্ষন্ বিমর্দ্দন্তঃ প্রাবৃষীবাম্বুদা গিরিম্ ॥৪৫॥
পিতরন্তু পরীপ্সন্তঃ কর্ণপুত্রাঃ প্রহারিণঃ। ত্বদীয়াশ্চাপরে রাজন্! বীরা বীরানবারয়ন্ ॥৪৬॥
সুষেণো ভীমসেনস্য ছিত্ত্বা ভল্লেন কার্ম্মুকম্। নারাচৈঃ সপ্তভির্বিদ্ধা হৃদি ভীমং ননাদ হ ॥৪৭॥
অথান্যদ্ধনুরাদায় সুদৃঢ়ং ভীমবিক্রমঃ। সজ্যং বৃকোদরঃ কৃত্বা সুষেণস্যাচ্ছিনদ্ধনুঃ ॥৪৮॥
বিব্যাধ চৈনং দশভিঃ ক্রুদ্ধো নৃত্যন্নিবেষুভিঃ। কর্ণঞ্চ তূর্ণং বিব্যাধ সপ্তত্যা নিশিতৈঃ শরৈঃ ॥৪৯॥

অথোইবশিং অসিবু হাৎপ্রবদুদা পাঞ্চাললাম্মী পূম্নমক হাহাকার লাউনখি ॥৩৯॥ মহারাজ! অদুগী তুংদা অকনবা মশকমমিং নাইবা পাঞ্চাললাম্মী রথী তরানা কর্ণতম্না কম্না কুজিনখি। ওহাক লৈময়গা কর্ণনা মখোয় অদুবুসু থুনায়াওনা যমালয় য়োহনখি ॥৪০॥ ঈকায় খুম্নবগী মশক ওইরবা মহারাজ! মতম অসিদা কর্ণগী অমনা পাক ওম্‌কদ্রবা সুষেণ-সত্যসেন হায়রবা মচানিপা অনীসিনা মপা কর্ণবু মথ্‌্াই পান্দুনা মথ্‌্াই থুবাক্ত হাপ্তুনা ঙাকশেন্নহনা লৈখি ॥৪১॥ কর্ণগী মচা অহন মহারথী বৃষসেন হায়রিবসিনা মশামক্না কর্ণগী তুংলোমদা লৈদুনা মপা কর্ণবু ঙাকশেন্দুনা লৈখি ॥৪২॥ আসোম-দনা, ধৃষ্টদ্যুম্ন, সত্যকি দ্রৌপদীগী মচাশিং, ভীমসেন, জনমেজয়, শিখণ্ডী, প্রভদ্রক লাম্মীশিং, অদুগা চেদি, কেকয়, পাঞ্চালদেশগী লাম্মীশিং, নকুলসহদেব মচীনমনাও অনীঅদুগা লালগী মপুংফানা শেমশারবা মৎস্যদেশগী অকনবশিং,—মখোয় অসিনা পূম্নপা কর্ণবু হাৎনুরসি হায়না লেপ্পদুনা পূম্নপ হৌদুনা কুজিল্লকই ॥৪৩—৪৪॥ বর্ষাগী মতমদা মশীংলাকওমজ্রবা নোংমরী মরীনা চীঙথক্ত হৈথরক-পওম্ ধৃষ্টদ্যুম্ননা চিংবা অকনবশিং অ.সনা তেম্নচিংবা মখলমথা অয়াম্বা থুংলায়বু অতংঅথম লৈতনা কর্ণগী মথক্ত লংশিল কাপশিল্লকলে ॥৪৫॥ মহারাজ! মতম্ অসিদা থুৎলায়দা হৈশিংলবা মচাশিংনা মায়গী অকোয়বদা ঙাকশেল্লবা কর্ণনা মখোয়না কাপশিল লংশিল্লকলিব। থুংলায়শিং অদু ঈয়ায়লায়না থিংখি ॥৪৬॥ কর্ণগী মচা সুষেননা ভামচীনশাবা তেলঅম কাপশিল্লকহুনা ভীম-সেনগী লীক্তং অদু ককথৎলগা অমুকসু য়েত্তুম মচীনশাবা তেল তরেৎনা ভীমগী থজীন্দা পূম্ন থায়গা সিংহনাদ কম্না লাউরকই ॥৪৭॥ অদুদগী অকিবকংন কল্লবা ভীমসেননা অতোপ্পা কল্লবা উইরবা লীক্তং অম পায়থৎলুনা, লীয়ীতংহাপ হাপচিন্দুনা খোয়বা তেল অমনা সুষেনগী লীক্তং অদু ককথৎখি ॥৪৮॥ অদুগী তুংদা ভীমনা শাউশিল্লুনা অগোই শাবওম্ লৈনা লৈনা কাপশিল্লকলুনা

ভানুসেনঞ্চ দশভিঃ সাশ্বসূতরথধ্বজম্। পশ্যতাং সুহৃদাং মধ্যে কর্ণপুত্রমপাতয়ৎ ॥৫০॥
ক্ষুরপ্রণুন্নং তস্যস্ত শিরশ্চন্দ্রনিভাননম্। শুভদর্শনমেবাসীন্নালভ্রষ্টমিবাম্বুজম্ ॥৫১॥
হত্বা কর্ণসুতং ভীমস্তাবকান্ পুনরার্দ্দয়ৎ। কৃপহার্দ্দিক্যয়োশ্ছিত্বা চাপৌ তাবপ্যথার্দ্দয়ৎ ॥৫২॥
দুঃশাসনং ত্রিভির্বিদ্ধা শকুনিং ষড়্‌ভিরায়সৈঃ। উলূকঞ্চ পতত্রিঞ্চ চকার বিরথাবুভৌ ॥৫৩॥
হা সুষেণ! হতোঽসীতি ব্রুবন্নাদত্ত সায়কম্। তমস্য কর্ণশ্চিচ্ছেদ ত্রিভিশ্চৈনমতাড়য়ৎ ॥৫৪॥
অথান্যং পরিজগ্রাহ সুপর্বাণং সুতেজনম্। সুষেণায়াসৃজত্তমস্তমপাস্যাচ্ছিনদ্বৃষঃ ॥৫৫॥
পুনঃ কর্ণস্ত্রিসপ্তত্যা ভীমসেনমথেষুভিঃ। পুত্রং পরীপ্সন্ বিব্যাধ ক্রূরং ক্রূরৈর্জিঘাংসয়া ॥৫৬॥
সুষেণস্তু ধনুর্গৃহ্য ভারসাধনমুত্তমম্। নকুলং পঞ্চভির্বাণৈর্বাহ্বোরুরসি চার্পয়ৎ ॥৫৭॥
নকুলস্তন্তু বিংশত্যা বিদ্ধা ভারসহৈর্দৃঢ়ৈঃ। ননাদ বলবন্নাদং কর্ণস্য ভয়মাদধৎ ॥৫৮॥
তং সুষেণো মহারাজ! বিদ্ধা দশভিরাশুগৈঃ। চিচ্ছেদ চ ধনুঃ শীঘ্রং ক্ষুরপ্রেণ মহারথঃ ॥৫৯॥

থৌরবা তেল তরানা সুষেনদা কন্না থাখি। অদুদগী তেল হুমফুতরানা কর্ণদস্মু থাখি ॥৪৯॥ অদুদগী শাউরবা ভীমনা থৌরবা তেল তরানা য়েংহুনা লৈরিবা খোঙলোয়শিং অদুগী মমাঙমক্তদা শগোল, সারথি, রথ, কিয়ালগা লোয়ননা কর্ণগীমচা ভানুসেনবু লালকম্‌দা তুহনখি ॥৫০॥ ক্ষুর মচীনশাব তেন্না ককথ্রবা, থাগী মতৌঙুম কজরবা মায়থোং পুম্বা, ভানুসেনগী কোক অদু থম্বাল লৈখোক্তগী কেল্লবা থম্বাল অমগুম্ মূর্ত্তি ঈকায় কায়দনা লৈমায়থক্ত তাখি ॥৫১॥ মহারাজ! ভীমসেননা কর্ণগী মচাসিবু হাৎলবতুংদা কৌরব লান্মীশিংবু নৈবহৌরকলে। ভীমনা কৃপকৃতবর্ম্মা অনীগী লীরুংবুস্মু কক্লগা মখোয়অনীবু নৈরকলে ॥৫২॥ অদুদগী কল্লবা ভীমসেনগী তেল অহুমনা দুঃশাসনদা, য়োৎনা পুমহৈ ওইনা শাবা তেলতরুক্কা শকুনিদা থারগা উলূকপতত্রি অনীবুস্মু রথ য়াওহন্দদুনা খোঙমী ওইহনখি ॥৫৩॥ "সুষেণ! নংশিরবনিদো!" অস্মুম হায়না ভীমনা তেল অম পায়থৎতুনা সুষেন তম্না কাপশিল্লকই; ভীমগীতেল অদুবু কর্ণনা লম্থাঙদা ককথৎতুনা থাদখি। অদুদগী কর্ণনা ভীমদা কন্ন চৈনা পীরকই ॥৫৪॥ অদুগী তুংদা ভীমসেননা তেম্না তেম্মৈ কজনা পাল্লবা থোইদোক্লা লংলবা তেলঅম পায়থৎলি। মাদু সুষেণ তম্না কাপশিল্লকই। কর্ণনা মাদুবুস্মু লম্থাঙদা ককৃথৎতুনা থাদখি ॥৫৫॥ কর্ণনা মচাসুষেনবু কনগে হায়বগীদমক, অদুগা ভীমবুস্মু হাৎলগে হায়না থম্মুনা কল্লবা থৌরবতেল হুমফুতরা হুমদোইনা কল্লবা শাউগল্লবা ভীমদা থাখি ॥৫৬॥ অস্মুম্ তৌরিঙৈদা সুষেণনা কল্লবা উইরবা অতোপ্পা লীরুংঅম পায়থৎতুনা থৌরবা তেল মঙানা নকুলগী পাম্বোম মরু অনীদা অদুগা মথবাক্ত কন্নথাখি ॥৫৭॥ অদুদগী থোইনা শাউথ্রবা নকুলনা তেল কুম্না সুষেনদা থারগা কর্ণগী থম্মোয়দা অকিবা পোকহন্দুনা সিংহনাদ কন্না লাউরকই ॥৫৮॥ মহারাজ! অদুগী তুংদা মহারথী সুষেণনা তেলতয়ানা নকুলদা থারগা, ক্ষুর মচীনশাবা থৌরবা তেল অমনা নকুলগী লীরুংঅদু য়ম্নায় থীগাতদা ককথৎখি ॥৫৯॥

অর্দ্ধচন্দ্রেণ নকুলঃ ক্রোধমূর্চ্ছিতঃ । সুষেণং মর্মভিদ্ভির্বাণৈর্বাণান্ সংযুগে ॥৬০॥
স তু নির্ভিন্নবর্মা হি শ্রান্তঃ । বাহ্বোশ্চ পরাক্রমঃ । আরুরোহ সারথিশ্চ সুষেণস্য তৎক্ষিতিঃ ।
চিচ্ছেদ চাস্য সুবৃহৎ বহুভিস্তৈক্ষ্ণিভিস্ত্রিভিঃ ॥৬১॥
অথাস্য ক্ষুরপ্রেণ সুষেণঃ ক্রোধমূর্চ্ছিতঃ । অবিধ্যন্নকুলং ষষ্ট্যা সহদেবঞ্চ সপ্তভিঃ ॥৬২॥
তদ্যুদ্ধং সুমহদ্‌ঘোরমাসীদ্দেবাসুরোপমম্ । নিঘ্নতাং সায়কৈস্তীক্ষ্ণৈরন্যোন্যস্য বধং প্রতি ॥৬৩॥
সাত্যকির্বৃষসেনস্য সূতং হত্বা ত্রিভিঃ শরৈঃ । ধনুশ্চিচ্ছেদ ভল্লেন জবনাংশ্চাশ্বান্ সপ্তভিঃ ॥৬৪॥
ধ্বজমেকেষুণোন্মথ্য ত্রিভিস্তং হৃদ্যতাড়য়ৎ । অথাবসন্নঃ স রথে মুহূর্তাৎ পুনরুত্থিতঃ ॥৬৫॥
স হতে সূতাশ্বধ্বজবিহীনঃ । জিঘাংসুঃ শৈনেয়ং খড়্গচর্মভৃদভ্যধাবৎ ॥৬৬॥
তস্য চাপ্লবতঃ শীঘ্রং বৃষসেনস্য সাত্যকিঃ । বরাহকর্ণৈর্দশভিরবিধ্যদসিচর্মণী ॥৬৭॥
দুঃশাসনস্তু তং দৃষ্ট্বা বিরথং ব্যায়ুধং কৃতম্ । আরোপ্য স্বরথং তূর্ণমপোবাহ রথান্তরম্ ॥৬৮॥
অথান্যং রথমাস্থায় বৃষসেনো মহারথঃ । দ্রৌপদেয়াংস্ত্রিসপ্তত্যা যুযুধানঞ্চ পঞ্চভিঃ ॥৬৯॥

অদুদগী নকুল অসি লৈবক্ থজবা শাউশিন্না অতোপ্পা লীকংঅম লৌখৎলুনা তেলনাপম সুষেণদা কয়া থাখি ॥৬০॥ মহারাজ ! অদুগী তুংদা য়েক্কবাওবা নকুলনা তেক্তনা মায়পেগুবা কৃপহনবিহনা থৌরবা তেল অহুম্না সুষেণদা অহুপা মাগীসারথিদা কয়থাখি । অদুদগী অমুক তাবচীনখাবা তেল অহুম্না সুষেণগী লীকং অদুবু মতেক অহুম্ খোয় ককথৎখি ॥৬১॥ অদুদগী খোইদোক্না শাউরবা সুষেণনা অতোপ্পা লীকংঅম পায়খৎতুনা তেল হুমফুনা নকুলদা, তরেৎনা সহদেবদা থাখি ॥৬২॥ নকুলসহদেব অহুপা সুষেণ মখোয়অসি মাগীমাগী য়েক্কবু হাৎলগে হায়না খন্নখিন্না অতংঅথব লৈতনা কাপনরকপসিনা মখোয় অহুমগী লাল অদু লাইহিংচাবশিংগী লান্নাতনুমে ॥৬৩॥ অমযোমদা সাত্যকিনা থৌরবা তেল অহুম্না বৃষসেনগী সারথিবু হাৎলগা, তাবচীন খাবা তেল অমনা বৃষসেনগী লীকং ককথৎখি । অহুপা তেল তরেৎ অমনা শগোল মরিবু হাৎখি ॥৬৪॥ অদুগী অমুক সাত্যকিনা বৃষসেনগী ফিরাল অদুবু তেলঅমনা ককথৎতুনা থাদয়গা, অহুমনা মাগী থবিন্দা কয়া থাখি । বৃষসেন অসি অচৌবা লানতানবা থাক্তুনা তুংয়াদুংদা, অমুক পুনাহাবা [illegible] হৌরখি ॥৬৫॥ সাত্যকিনা বৃষসেনগী সারথি, শগোল, রথ, ফিরাল পুম্নমক্পু উৎথইনা মাঙ-হনবদা, খোইদোক্না শাউরবা বৃষসেননা সাত্যকিবু হাৎলগে হায়না খনখিন্না থাওচুংলোয় শায়-[illegible] সাত্যকিগী [illegible] চেনশিনকখি ॥৬৬॥ বৃষসেনবা কনা-কনা চোংদুনা চেনশিল্লকপদা, সাত্যকিনা [illegible] মখোয় ফেন্ধুন পানবা তেলতানা মখিৎতগা চুক্তোয়দা অলীকাদু [illegible] ককথন্‌না থাখি ॥৬৭॥ সাত্যকিনা বৃষসেনবু পুথদায় য়াওরবা [illegible] অম অহুন্নবিনদু উবদা দুঃশাসননা [illegible] মাগী নমিক্লবখক্তা হাপচিল্লুনা পুথোক্লগা অতোপ্পা রথঅমগী [illegible] কাখৎখি ॥৬৮॥ নিংথৌ অবেংজীনা ! অদুগী তুংদা বৃষসেন অসি অতোপ্প রথঅমদা তোংবৎ শিন্না

ভীমসেনং চতুঃষষ্ট্যা সহদেবঞ্চ পঞ্চভিঃ । নকুলং ত্রিংশতা বাণৈঃ শতানীকঞ্চ সপ্তভিঃ ॥৬৪॥
শিখণ্ডিনঞ্চ দশভির্ধর্মরাজং শতেন চ । এতাংশ্চান্যাংশ্চ রাজেন্দ্র ! প্রবীরান্ জয়গৃদ্ধিনঃ ॥৬৫॥
অভ্যর্দয়ন্মহেষ্বাসঃ কর্ণপুত্রো বিশাম্পতে । কর্ণস্য যুধি দুর্দ্ধর্ষঃ পৃষ্ঠমপালয়ৎ ॥৬৬॥

([illegible])

দুঃশাসনঞ্চ শৈনেয়ো নবৈর্নবভিরাশুগৈঃ । বিসূতাশ্বরথং কৃত্বা ললাটে ত্রিভিরার্পয়ৎ ॥৬৭॥
স ত্বন্যং রথমাস্থায় বিধিবৎ কল্পিতং পুনঃ । যুযুধে পাণ্ডুভিঃ সার্দ্ধং কর্ণস্যাপ্যায়য়ন্ বলম্ ॥৬৮॥
ধৃষ্টদ্যুম্নস্ততঃ কর্ণমবিধ্যদ্দশভিঃ শরৈঃ । দ্রৌপদেয়াস্ত্রিসপ্তত্যা যুযুধানস্ত সপ্তভিঃ ॥৬৯॥
ভীমসেনশ্চতুঃষষ্ট্যা সহদেবশ্চ সপ্তভিঃ । নকুলস্ত্রিংশতা বাণৈঃ শতানীকশ্চ সপ্তভিঃ ।
শিখণ্ডী দশভির্বীরো যুধিষ্ঠিরঃ শতেন চ ॥৭০॥
এতে চান্যে চ রাজেন্দ্র ! প্রবীরা জয়গৃদ্ধিনঃ । অভ্যর্দয়ন্ মহেষ্বাসং সূতপুত্রং মহাহবে ॥৭১॥

(যুগ্মকম্)

তান্ সূতপুত্রো বিশিখৈর্দশভির্দশভিঃ শরৈঃ । রথে চারু চরন্ বীরঃ প্রত্যবিধ্যদরিন্দমঃ ॥৭২॥

তেল হমফুতরা হম্‌দোইনা দ্রৌপদীগী মচা মতাদা, মতানা সাত্যকিদা, হমফুমরিনা ভীমদা, মতানা সহদেবদা, কুন্থ্রানা নকুলদা, তরেৎনা শতানীকদা, তরানা শিখণ্ডীদা অমসুং চামনা যুধিষ্ঠিরদা কপ্পা কপ্পা থাদগা অতৈ অতোপ্প পাণ্ডবলাম্মীশিংদা মীপুম্বীৎনা তেলগী অমদি অতোপ্প পুৎলাগী চৈনাথোক পীখি । মহারাজ ! মখোয়শিংগী মতৌ অসুম্না মহাধনুর্দ্ধারী ওইরবা, লান্দা মথাপ্পা লাকতবা কর্ণগী মচা বৃষসেননা লোয়না মায়থীবা পীরগা অমুক হন্নামপা কর্ণগী তুংলোমদা লৈশিনখিহনা মপান্নু ঙাকশেন্নুনা থমখি ॥৬৬—৭২॥

অদোম্দা সাত্যকিনা ঈনো নৌবা, য়োত্তনা পুন্থহে ওইনা শাবা তেল মাপন্ন দুঃশাসনগী রথ শগোল সারথিন্থ উৎ ওইনা মাতহন্নগা, খৌরবা তেল অহুম্না মাগী লাইপক্ মথান্থবদা থাখি ॥৬৭॥ অদুম মরিল চৈথবা দুঃশাসন অসি হায়দগী নীঙথিনা শেম্‌শাবা রথ অমদা তুংথৈল থুবা কাপৎখিহনা কর্ণগী মপাঙ্গল শক্তি থৱ হেনগৎলহনদমক্ পাণ্ডব লাম্মীশিংথা কন্না লেংনখি ॥৬৮॥ অমুক্তা ধৃষ্টদ্যুম্ননা, তেল তরানা দ্রৌপদীগী মচাশিংনা হমফুত্‌হম্‌দোইনা, অমুগা সাত্যকিনা তরেৎনা মথন্থ অমতদা কর্ণদা কাপশিন্থখি ॥৬৯॥ নিংথৌ অথোইবা ! ভীমসেননা তেল হমফুমরিনা, সহদেবনা তরেৎনা, নকুলনা কুন্থ্রানা, শতানীকনা তরেৎনা, অমসুং শিখণ্ডীনা তরানা, যুধিষ্ঠিরনা চামনা অসি নত্তবা অতৈ অতৈ পাণ্ডব পক্ষগী অকন্নবশিংনা মথল থবা অমান্না থৌনা খৌরবা পুৎলাবা মহাবীর কর্ণদা কাপশিন্থ লংশিন্থকনা কপ্পা চৈন থোক্নখি ॥৬৯-৭১॥ মতম অমদা তেকল্লু চৈরবা কর্ণহ লাপণী নিরবা কল্লা তাক্‌না খৌরবা তেল তরা তরানা মখোয় যুধিষ্ঠিরদা

অন্যান্যপি চ তৎ কর্ণস্তু পার্থিব সংযুগে । অপতন্ত মহারাজ ! তদদ্ভুতমিবাভবৎ ॥৭৯॥
স হতাশ্বঃ সর্বতঃ শরবাণৈশ্চ সারথিঃ । বিমুক্তশ্চ শরত্রাণপ্রযত্নে হতাপরীম্ ॥৮০॥
ক্রৌঞ্চবিদ্ধুমিশৈঃ চম্পুণ্যা নিশিতৈঃ শরৈঃ । আকর্ণমাকৃষ্টাকারং তস্মিন্ দেশে যতো স্থিতঃ ॥৮১॥
মুক্তানিব হি ব্যালেন্দ্রাণম্বরঃ প্রতাপবান্ । বৈবিধৈঃ প্রত্যবিধ্যাদনেকৈকং ত্রিভির্শৈঃ শরৈঃ ॥৮২॥
বর্মভির্নির্ভিন্নান্ পুনর্বিদ্ধ মসাদ চ । ন্যাবসুতৎসমস্রাহস্তত্তে নিবসং শয়ুঃ ॥৮৩॥
তান্ প্রযুক্ত মহেষ্বাসান্ রাধেয়ঃ শরবৃষ্টিভিঃ । ব্যাধানীকমদংসারং প্রাবিশদ্রুক্মবর্মণঃ ॥৮৪॥
স রথাংস্ত্রিংশতঃ হত্বা চেদীনামনিবর্তিনাম্ । রাধেয়ো নিশিতৈর্বাণৈস্ততো রাজানমভ্যয়াৎ ॥৮৫॥
ততস্তে পাণ্ডবা রাজন্ ! শিখণ্ডী চ সসাত্যকিঃ । রাধেয়াৎ পরিরক্ষন্তো রাজানং পর্যবারয়ন্ ॥৮৬॥
তথৈব তাবকাঃ সর্বে কর্ণং দুর্বারণং রণে । যত্তাঃ শূরা মহেষ্বাসাঃ পর্যরক্ষন্ত সর্বশঃ ॥৮৭॥
নানাবাদিত্রঘোষাশ্চ প্রাদুরাসন্ বিশাংপতে ! । সিংহনাদশ্চ সংজজ্ঞে শূরাণামভিগর্জতাম্ ॥৮৮॥

থাখি ॥৭৮॥ মহারাজ ! মতম অসিদা ঐথোয় থাইনা মক্তিন্ লৈরিবা কাম্বা কর্ণগী খুৎলায়গী শক্তি মশাগী শক্তি অদুগা মথুৎথুবগী শক্তিবু তপেংনা উবা ংখি । মাহুৎকা অচকপা অমনি । ॥৭৯॥ মথমদি মতম অদুদা লৈবা অউবশিংগা শাউবা কর্ণনা কাম্বা মতমদা তেল হুৎখিবা, কাম্বা মতমদা তেল্ যোংহনা চাওখিবা, অদুগা কাম্বা মতমদা কাপ্‌থোকখিবা অসিপুম্বক্ অমতা ময়েকলানা উবা ংখিদে । ময়ামদুনা উখিবা হায়বদু য়েক্কলাগী মপৈ মপৈনা লালক্ম্ লৈমায়থক্তা ফুথনখিবা অদুত্তনি ॥৮০॥ কর্ণগী থৌর থৌরবা তেলশিংনা থকখা য়াওনা মায়পৈ তয়া অসি পুম্নমক থনখে, তেল ময়াম্না কুপ্‌থিবদা মোংমদোনমকোয় অসি তাওলৈনবা নোংতনা পুম্নক কুম্‌তত্ তৌখি ॥৮১॥ কর্ণদা থাখিবা-কাপ্‌শিন্‌খিবা য়েক্কশিং অদুনা কায় থুকাপ্‌তগী শরূক্ অহুমহুমা থুনা মথুৎথুম্বা কাম্বা কর্ণনা অপেনবী শাবগনা মথোয় খুদিংমক্পু মীপুম্ থীৎনা লৈখি ॥৮২॥ অদুগী তুংদা কর্ণনা তেল্ তয়া তানা মথোয় খুদিংমক্তা শগোল, সারথি রথ, ছত্রগা লোয়নবা কায়া কায়া থাখি ॥৮৩॥ মতম্ অদুদা য়েক্কথবা কর্ণনা তেলগী নোংনা মহাধনুর্দ্ধারী চেদিবা অকোয়বশিং অদুগী মথক্তা হৈবয়াগা অখিংবা অপন্থবা লৈতনা যুধিষ্ঠিরগী নাক্তা তেকোয় মচন থাবহুনা চৎশিন্নখে ॥৮৪॥ মতম অসিদা কর্ণনা থৌর থৌরবা তেলা নীংথম্বা চেদি-লৈবাগী কাম্বা হুবী ছুৎ তুম থংকয় লোয়নবা যুধিষ্ঠির তয়া প্রবেশ চৎশিনখি ॥৮৫॥ মহারাজ ! পাণ্ডবশিংগা অমদি শিখণ্ডী—সাত্যকিনা কর্ণগী মখুত্তগী যুধিষ্ঠিরবু কয়ুপে হারবগী কন্নবু প্রবেশ চেনশিনখুনা কর্ণবু কোয়শিনখি ॥৮৬॥ মহারাজ ! মতো মতুংগা কৌরব নাক্তী খুম্নাক্ত কর্ণবু মচুপে হাদনবা রাজাগী কাম্বা নতনবা কর্ণবু চাকপেমনুনা থমখি ॥৮৭॥ মহারাজ ! মমন খাম অসিদা খুবম ময়েকশিং অমসুং চংলক্ত শিংহনাদগী খোঞ্জিনা লাকখি ॥৮৮॥

ততঃ পুনঃ গদাহস্তং [illegible] । যুধিষ্ঠিরমুখাঃ পার্থাঃ [illegible]

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি

সঙ্কুলযুদ্ধে ষট্‌ত্রিংশোঽধ্যায়ঃ ॥৩৬॥

অহং পুনরিহ বিজেষ্যামি ॥৩৮॥ [illegible] কৌরব নারীদিগের [illegible] অধিক [illegible] [illegible] । যুধিষ্ঠিরের [illegible] কর্ণের [illegible] কৌরবদিগের অধিক [illegible] হইয়াছিল ॥৩৮॥

এখন আমিও শ্রীমহাভারতের শ্লোকগুলির টীকা শ্রীব্যাসের [illegible] সংহিতার কর্ণপর্ব্বের সঙ্কুলযুদ্ধে [illegible] অধ্যায় শেষ হইল ॥৩৬॥

শ্রীমহাভারতম্

সপ্তত্রিংশোঽধ্যায়ঃ ।

[illegible] অধ্যায়ঃ

([illegible])

সঞ্জয় উবাচ ।

বিদার্য কর্ণস্তাং সেনাং যুধিষ্ঠিরমুপাদ্রবৎ । রথহস্ত্যশ্বপত্তীনাং সহস্রৈঃ পরিবারিতঃ ॥১॥

নানায়ুধসহস্রাণি প্রেষিতান্যরিভির্বৃষঃ । ছিত্বা বাণশতৈরুগ্রৈস্তানবিধ্যদসম্ভ্রমাৎ ॥২॥

নিচকর্ত শিরাংস্যেষাং বাহূনূরূংশ্চ সূতজঃ । তে হতা বসুধাং পেতুর্ভগ্নাশ্চান্যে বিদুদ্রুবুঃ [illegible]

সঞ্জয় বলিলেন :— মহারাজ ! কর্ণ [illegible] [illegible] যুধিষ্ঠিরের [illegible] ॥১॥ [illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

রথিনাং [illegible] শুদ্ধঃ [illegible] ।
তে বিদ্রুতান্নিবিরাণাং প্রবরাঃ কর্ণসায়কৈঃ ।
এবং [illegible] সহসা [illegible] চ ।
অথ বৈকর্তনঃ কর্ণঃ রণে [illegible] ।
ন তান্ [illegible] পুনরেব যুধিষ্ঠিরম্ ।
স রাজগৃদ্ধিনী [illegible] পাণ্ডুপাঞ্চালকেকয়ৈঃ ।
ততো যুধিষ্ঠিরঃ কর্ণ[illegible] নিবারিতম্ ।
কর্ণ । কর্ণ । বৃথাদৃষ্টে । সূতপুত্র । বচঃ শৃণু ।
সদা[illegible] রাধেয় নিত্যং ধার্তরাষ্ট্রমতে স্থিতঃ ।
তৎ সর্বং দর্শয়াদ্য পৌরুষং যদাশ্রিতঃ ।

অত্যা[illegible] [illegible] পঞ্চঃ কর্ণ[illegible] ॥৪॥
সেতুঃ পৃথিব্যাং [illegible] [illegible] যথা ॥৫॥
হতানী[illegible] [illegible] দ্রোণী ॥৬॥
জজ্ঞুঃ পাণ্ডুপাঞ্চালা ব্যাধিং মহৌষধৈরিব ॥৭॥
মহৌষধিক্রিয়াতীতো ব্যাধিরত্যুৎকটো যথা ॥৮॥
পাণ্ডবান[illegible] [illegible] [illegible] যথা ॥৯॥
অব্রবীৎ পরবীরঘ্নঃ ক্রোধসংরক্তলোচনঃ ॥১০॥
সদা স্পর্ধসে সংগ্রামে ফাল্গুনেন তরস্বিনা ॥১১॥
বলং [illegible] বীর্যং [illegible] বধ পাণ্ডবান্ ॥১২॥
যুদ্ধশ্রদ্ধাং তেহদ্যাহং বিনেষ্যামি মহাহবে ॥১৩॥
(যুগ্মকম্)

অদুদগীদি পাণ্ডবলাগী অমাম্বা কায়হুনা চেয়রে ॥৩॥ মতম্ অদুদা, সাত্যকিনা [illegible] জবিড়, অদু, নিষাদ দেশগী [illegible] কর্ণবু [illegible] হায়রনা [illegible] মথোর মরাম্ অদুনবুক [illegible] কর্ণভয়া চেলশিল্লকই ॥৪॥ অদুদগী মথোয়পুবা কর্ণগীদমু পানবদা মপাথোম্, মতক্ কোয়েৎ [illegible] [illegible] অমুক্তদা চপ্ মামনা লানকম্ লৈমায়মক [illegible] ॥৫॥ মতোঅদুদা [illegible] লিশিং, অমুক-অমুকনা অমুমক্তা [illegible] মতুংইমা মথো তৌরম্ তৌরমুহনা [illegible] [illegible] [illegible] কর্ণমর্ত্ত্য কাণ্ডবদা কাউবা [illegible] মিংচৎকী [illegible] [illegible] লানকম্ [illegible] [illegible] অরোইবা [illegible] হীযথি ॥৬॥ অদুগী [illegible] [illegible] মাইকনা মম অমদি [illegible] [illegible] থিংবহুতরা পাণ্ডবশিং অদুগা পাঞ্চালশিংনা, [illegible] মতোঅম্ পাউরবা কর্ণবু থিংহুনা [illegible] ॥৭॥ অদুবু [illegible], [illegible] [illegible] মম মম [illegible] কবিমক কায়হল্লনা [illegible] [illegible] পাঞ্চালশিংনা পাঞ্চালশিংনা থিংবগু কবিমক কায়হল্লনা, মথোমদু মায়থীবা [illegible] যুধিষ্ঠিরথোনদা [illegible] ॥৮॥ অদুবু মুত্থা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] যুধিষ্ঠিরবু [illegible] [illegible] [illegible] পাণ্ডবপাঞ্চাল অমদি কেকয়শিংনা [illegible] [illegible] [illegible] লকহুনা কর্ণবু থিংহুনা থমথে ॥৯॥ [illegible] [illegible] [illegible] কর্ণ [illegible] [illegible] [illegible] যুধিষ্ঠিরনা [illegible] [illegible] [illegible] কর্ণদা [illegible] হায়রকই ॥১০॥

[illegible]

[illegible]

[illegible]

এবমুক্ত্বা মহারাজ ! কর্ণং পাণ্ডুসুতস্তদা । সুবর্ণপুঙ্খৈর্নারাচৈর্বিব্যাধানতপর্ব্বভিঃ ॥১৪॥
তং সূতপুত্রো দশভিঃ প্রত্যবিধ্যদরিন্দমঃ । বৎসদন্তৈর্মহেষ্বাসঃ প্রহসন্নিব ভারত ! ॥১৫॥
সোহবজ্ঞায় তু নির্বিদ্ধঃ সূতপুত্রেণ মারিষ ! । প্রজজ্বাল মহাবাহুর্হবিষেব হুতাশনঃ ॥১৬॥
ততো বিস্ফার্য্য সুমহচ্চাপং হেমপরিষ্কৃতম্ । সমাধত্ত শিতং বাণং গিরীণামপি দারণম্ ॥১৭॥
ততঃ পূর্ণায়তোৎসৃষ্টং যমদণ্ডনিভং শরম্ । মুমোচ ত্বরিতো রাজা সূতপুত্রজিঘাংসয়া ॥১৮॥
স তু বেগবতা মুক্তো বাণো বজ্রাশনিস্বনঃ । বিবেশ সহসা কর্ণং সব্যপার্শ্বে মহারথম্ ॥১৯॥
স তু তেন প্রহারেণ পীড়িতঃ প্রমুমোহ বৈ । স্রস্তগাত্রো মহাবাহুর্ধনুরুৎসৃজ্য স্যন্দনে ॥২০॥
ততো হাহাকৃতং সর্বং ধার্তরাষ্ট্রবলং মহৎ । বিবর্ণমুখভূয়িষ্ঠং দৃষ্ট্বা কর্ণং তথাগতম্ ॥২১॥
সিংহনাদাশ্চ সংজজ্ঞে ক্ষ্বেড়াঃ কিলকিলাস্তথা । পাণ্ডবানাং মহারাজ ! দৃষ্ট্বা রাজ্ঞঃ পরাক্রমম্ ॥২২॥
প্রতিলভ্য তু রাধেয়ঃ সংজ্ঞাং নাতিচিরাদিব । দধ্রে রাজবিনাশায় মনঃ ক্রূরপরাক্রমঃ ॥২৩॥

অহুপ, ঙসি নংগী বিদ্যা অস্ত্র উচ্চো। ঙসি ঐনা নংগী লান্ মায় পোক্লনীংবা রাখলদো মরুকনা মুখৎপিগনি"॥১২—১৩॥ মহারাজ ! যুধিষ্ঠিরনা অস্ত্রা হায়রগা য়োথৌতনা পূমুহৈ ওইনা শারবা খৌরবা তেনতরানা কর্ণদা কাপথি ॥১৪॥ মতম্ পাগেগী অথোইবা মহারাজ ! মতম্ অদুদা মহা-ধনুর্দ্ধারী ওইবা, য়েরুবা নৈহৎপা ওস্রা কর্ণনা লোক লোক্না মচীমশমাউ ময়ামানবা তেনতরানা যুধিষ্ঠিরদা কয়া থাথি ॥১৫॥ ঙাক্তনা পুরনবগী মশক ওইরবা নিংথৌ। কর্ণনা কয়মত থোঙই উশিন্না কম থারকলবদা, মপাম্বোম চাউরবা কল্লবা যুধিষ্ঠির অসি নৈমুংদা থী হৈজিনবগুম্না নৈদি-খোক্না শাউরকলে ॥১৬॥ অদুগীমুংদা যুধিষ্ঠিরনা মরুংদা সনাহৎলবা চাউরবা লীরংঅদুগী লীরী অদু নাপোং মরুকনা চিংদুনা চৌঙমকপু থিনগাইবা মমপলৌবা তেনজব তেজ। থোঙুনা নিশানা তৌরকই ॥১৭॥ মতম্ অদুনা যুধিষ্ঠিরনা কর্ণবু হাৎলগে হায়না পদুনা লীরীবু কয়া চিংদুনা থবতনা মায়রবা তেন অদু কর্ণতয়া মপাচুম কাপলকই ॥১৮॥ শাদুকনা কাপলুবা তেনঅদুনা বজ্রঅমদি নোংথাংগা লোয়ননা নোংথাকপা খোংবগী মখোলতম্ তদুনা পাইশিনকুনা কর্ণগী কয় থংবা মাকথংদা কাওকৎথিদুনা আসোয় থাংমদা ভাথি ॥১৯॥ কল্লবা কর্ণসি তেনগী চৈনা অদু কবলা তমহৎনা। ওহাকং অনি তাদনা লৈখি। ওহাক চৈরগা পুংকী পুংসায় থাক্তোকচুনা মথক রাষ্ট্রনা কুপি ॥২০॥

কর্ণনা অদুগুবা অবস্থাদা তাদুনা লৈখিবদু উবদা কৌরব লাম্বী পুম্বা হাহাকার থাউথি। লাম্বী অকুপকী মায়থোং শাংশিনখি ॥২১॥ মহারাজ ! যুধিষ্ঠিরগী অতীক মথৌমা উবা পাণ্ডব লাম্বীশিংনা লাউনখত্না সিংহনাদগী হুকাও-হুকাওগী খোনজেলনা পাণ্ডব থাকপ, পুমুহিন, খোৎপি ॥২২॥ অদুগী তুংদা পাখিন্না কল্লবা, "বহিন চৈরবা কর্ণ অসি অদুমক চৈজনা থীনা তাদুনা

স দেবনিঘ্নং ক্রোধং নিত্যোৰ্দ্ধ্যা নিখরং ধনুঃ। অথাকিরচ্ছরৌঘৈস্তং কর্ণং বিশিখৈঃ শিতৈঃ ॥২৩॥
ততঃ স্কুরাভ্যাং পাঞ্চাল্যৌ চক্ররক্ষৌ মহাত্মনঃ। জঘান চন্দ্রদেবঞ্চ দণ্ডধারঞ্চ সংযুগে ॥২৪॥
তাবুভৌ ধর্ম্মরাজস্য প্রবীরৌ পরিপার্শ্বতঃ। রথাভ্যাসে চকাশেতে চন্দ্রস্যেব পুনর্বসূ ॥২৫॥
যুধিষ্ঠিরঃ পুনঃ কর্ণমবিধ্যত্ত্রিংশতা শরৈঃ। সুষেণং সত্যসেনঞ্চ ত্রিভিস্ত্রিভিরতাড়য়ৎ ॥২৬॥
শল্যং নবত্যা বিব্যাধ ত্রিসপ্তত্যা চ সূতজম্। তাংশ্চাস্য গোপ্তৄন্ বিব্যাধ ত্রিভিস্ত্রিভিরজিহ্মগৈঃ ॥২৭॥
ততঃ প্রহস্যাধিরথির্বিধুন্বানঃ স কার্ম্মুকম্। ছিত্বা ভল্লেন রাজানং বিদ্ধা ষষ্ট্যানদৎ মুদা ॥২৮॥
ততঃ প্রবীরাঃ পাণ্ডূনামভ্যধাবন্নমর্ষিতাঃ। যুধিষ্ঠিরং পরীপ্সন্তঃ কর্ণমভ্যার্দ্দয়ন্ শরৈঃ ॥২৯॥
সাত্যকিশ্চেকিতানশ্চ যুযুৎসুঃ পাণ্ড্য এব চ। ধৃষ্টদ্যুম্নঃ শিখণ্ডী চ দ্রৌপদেয়াঃ প্রভদ্রকাঃ ॥৩০॥
যমৌ চ ভীমসেনশ্চ শিশুপালস্য চাত্মজঃ। কারূষা মৎস্যশেষাশ্চ কৈকয়াঃ কাশিকোশলাঃ ॥৩১॥
এতে চ ত্বরিতা বীরা বসুষেণমতাড়য়ন্। জনমেজয়শ্চ পাঞ্চাল্যঃ কর্ণং বিব্যাধ সায়কৈঃ ॥৩২॥

(বিশেষকম্)

যুধিষ্ঠিরবু হাৎলগে হায়না পূকীংদা চপ লেপখি ॥২৩॥ কদায় কাওরা কনবগে হায়বগু হায়কনু খনকমু খোঙবা কর্ণনা মাগী বিজয় কৌবা লীরুং অহু খুহম চেৎনা পায়দুনা, লীখিবু মাকোং মরুকংনা চিংদুনা খোয় খোয়বা তেলগী মপৈ অদি যুধিষ্ঠির অগা মনম মনম কাপ্‌খিরুই ॥২৪॥ অদুগী তুংদা ক্ষুরমচীন শাবা তেল অনীনা মহাত্মা ওইরবা যুধিষ্ঠিরগী রথ চাকা লেপ্লরিবু পাঞ্চাল দেশগী চন্দ্রদেব অমদি দণ্ডধার কৌবা অকনবা লাগী অনীবু হাৎখি ॥২৫॥ যুধিষ্ঠিরগী নাকল অনীদা রথবু ঙাকশেনদুনা লৈরবা অকনবা অনীসি পুনর্বসু নক্ষত্রগুম্বা লৈবাদ্রবক তঙুপ ঙমেনা তাদুনা লৈখি ॥২৬॥ অদুগী তুংদা যুধিষ্ঠিরনা তেল কুল্‌না কর্ণদা কয়া থাদিনখি। অদুদগী তেল অহুম-অহুম সুষেণগা সত্যসেনগা অনীদা তোঙান তোঙান থাখি ॥২৭॥ অদুদগী যুধিষ্ঠিরনা তেল মরিফুতরানা শল্যদা, হুমফু তরাহুমদোইনা কর্ণদা অদুগা তেল অহুম অহুম কর্ণবু ঙাকশেন্লিবা মখোয় অমমমদা থাখি ॥২৮॥ অদুগী তুংদা কর্ণনা নোকনা লীরুং অদু কোয়রৈ লৈনা পায়দুনা ভামচীন শাবা তেল অমনা যুধিষ্ঠিরগী লীরুং অদু কক্পৎলগা তেলহুমফুনা কয়া যুধিষ্ঠিরদা থাদগা সিংহনাদ লাউরকই ॥২৯॥ অদু উবদা পাণ্ডব লমী অকনবা পুন্নরগা শাউখিদুনা কর্ণ অগা কুপ্পিরকই। যুধিষ্ঠিরবু কনগে হায়বগীদমক কর্ণদা মনমু মনমু কাপখিরকই ॥৩০॥ সাত্যকি, চেকিতান, যুযুৎসু, পাণ্ড্য, ধৃষ্টদ্যুম্ন, শিখণ্ডী, দ্রৌপদীগী মচা মচা, প্রভদ্রকশিং, নকুল, সহদেব, ভীমসেন, শিশুপালগী মচা, কারূষ, মৎস্যদেশগী লেপহৌরিবা লমীশিং, কেকয়, কাশী, কোশলদেশগী অকনবশিং মরাপসিনা হোৎনজরক্‌না বসুষেণদা কয়া। আমসুং পাঞ্চাল দেশগী জনমেজয় হায়বা অকনবগুম্বা কর্ণদা কয় কয়া থাদিরকই ॥৩১-৩২॥

বরাবর্কর্ণঃ [illegible] শরৈঃ ।
নানাপ্রহরণৈশ্চাপি [illegible] ।
ইত্যাদি [illegible] কর্ণঃ [illegible] ॥৩৪॥
[illegible] (যুগ্মকম্)

ন পাণ্ডবানাং প্রবরৈঃ সর্বতঃ সমভিদ্রুতঃ ।
ততঃ শরমহাজালৈ [illegible] কর্ণপাবকঃ ।
ন শেকুঃ মহারাজ [illegible] মহাবলাঃ ।
ততঃ শরৌঘ নবভিঃ নিবেশ্য [illegible] ।
তদৈব [illegible] সমচিত্রং বভৌ পতৎ ।
তস্মাৎ পুরুষেন্দ্র বহিঃ কর্ণ বাহ্বোচৈ ।
চিক্ষেপ শরৈঃ পার্থো কর্ণবক্ষো স্মৃ [illegible] ।

উদীরয়ন্ আকাশং শরৈস্ত পূর্বাণি [illegible] ॥৩৫॥
নির্জিত্য পাণ্ডবানং বীরঃ সর্বান্‌ ক্রমেণ [illegible] ॥
প্রাহস্ত পুরুষেন্দ্র শরৈশ্চিত্রৈর্বিদ্ধ কার্মুকং ॥৩৬॥
বিভেদ কবচং রাজ্ঞো রণে কর্ণঃ শিতৈঃ শরৈঃ ॥৩৭॥
সন্নিদ্ধানবং সবিভুঃ শ্লিষ্টং কাঞ্চনং যথা ॥৩৮॥
রক্তৈরলক্কৃতং চিত্রৈর্বাপ্রং দিশি যথা নভঃ ॥৩৯॥
ক্রুদ্ধঃ সর্বায়সীং শক্তিং চিক্ষেপাধিরথিং প্রতি ॥৪০॥

অদুগী তুংদা অত্তোপ অত্তোপা অকনবশিংনচু মচীন ওকী মনাকোং মানবা, য়েতু মচীন শাবা, ইত্তোং পানবা, শঙ্খাওমচা মানবা, য়োপাক মানবা, কুমমচীন শাবা, পেন্নাং মচীক শাবা, অসি মতুবা থৌরা থৌরবা অকিবগী মশক কংলবা পুংলায় জাং জাং পায়থনচনা, মাটি মাগী শপোক শায় মখোইশিংনা ইকোম কোমশিল্লুনা মায়োই পুখনগী হোচিনমক্না কর্ণবু কোমশিল্লমে ॥৩৪—৩৫॥ পাণ্ডবপক্কী অকনবশিং অসিনা আক্রমণ তৌশিল্লকলবদা কর্ণনা মখায় পুখোক্না তেত্তনা মায়োই ওনা অসি পুখম্ মমুহনখি ॥৩৬॥ অদুগী তুংদা মহাবীর কর্ণনা মৈরুল অমগী মুট্টি লৌহনা পাণ্ডব লাখোইশিং অদুবু চাকথেকপা হোয়রে । অকমবা কর্ণনা লানকথগী মকম মকমদা হকথেকপা কোয়চেল চেন্নুনা য়েক্কবশিংবু হাংপা হোয়রে । মতম অসিদা মহাকী তেল অমমমা মৈখি অমমংগী মশক্কি । তা অমমমা মৈখিশিং অদুগী মৈগা অমমবগী মশক্কি ॥৩৭॥ মতম অসি মহাবীর, মহাধনুর্ধারী ওইরবা কর্ণ অসি থৌরবা পুংলায় অমনা লোক লোক থাইগী মাঙমতদা যুধিষ্ঠিরগী লীক্কং অদু কক্পথখি ॥৩৮॥ অদুগী তুংদা বীকূপ অমগী মচুদা কর্ণনা, থৌরবা তেল মরিফুত্তমানা যুধিষ্ঠিরগী মপাদা লীথশিবা লাংকুপ্পিং অদু থগত্না শংথোক্খি । [illegible] মতম অদুদা, যুধিষ্ঠিরগী লাংকুপ্পিং অদু থোংথাংদা [illegible] চুমিংকী মশেকচু [illegible] তত্তপ, তথেংবা, থুংশিনবা হুথোক্লুপা লোং মচুনু অমগী মচুঙৈবা লোইদোক্না নীংথিনা [illegible] লোং শাংবা, তত্তপতরোংলবা মতাম্মিচাকা পুথুবা মরম [illegible] অহিংবা কমপা অহওবা যুধিষ্ঠিরগী হক্চাংদগী তোতাম ত্থাবা লাংকুপ্পিং অদুনা [illegible] নীংথিজখি ॥৩৯॥ কর্ণনা তেলা লাংকুপ্পিং থংংবা, হক্চাং-ইমৈগী শাবা যুধিষ্ঠির [illegible] মায় শাওখিনা কদায়দু মথোক্চু লোত্তনা শাবা অতনবা শাংবা তা [illegible] [illegible]

তাং অন্তরীক্ষকালে শরৈশ্চিচ্ছেদ পঞ্চভিঃ। সা ছিন্না ভুবি নিপপাত হেমবাণস্য সায়কৈঃ ॥৪৩॥
ততো বাণাকর্ণলাটে চ হৃদি চৈব যুধিষ্ঠিরঃ। চতুর্ভিস্তোমরৈঃ কর্ণং তাড়য়িত্বানদন্মুদা ॥৪৪॥
উদ্ভিন্নরুধিরঃ কর্ণঃ ক্রুদ্ধঃ সর্প ইব শ্বসন্। ধ্বজং চিচ্ছেদ ভল্লেন ত্রিভির্বিব্যাধ পাণ্ডবম্।
ইষুধী চাস্য চিচ্ছেদ রথঞ্চ তিলশোঽচ্ছিনৎ ॥৪৫॥
কালবালাস্তু যে পার্থমবহন্ পাণ্ডরা হয়াঃ। তৈর্যুক্তং রথমাস্থায় প্রায়াদ্রাজা পরাঙ্মুখঃ ॥৪৬॥
এবং পার্থোঽভ্যপায়াৎ স নিহতঃ পার্ষ্ণিসারথিঃ। অশক্নুবন্ প্রমুখতঃ স্থাতুং কর্ণস্য দুর্ম্মনাঃ ॥৪৭॥
অভিদ্রুত্য তু রাধেয়ঃ স্কন্ধে সংস্পৃশ্য পাণিনা। অব্রবীৎ প্রহসন্। রাজন্ কুৎসয়ন্নিব পাণ্ডবম্ ॥৪৮॥
কথং নাম কুলে জাতঃ ক্ষত্রধর্ম্মে ব্যবস্থিতঃ। প্রজহ্যাৎ সমরং ভীতঃ রক্ষন প্রাণান্ মহাহবে ॥৪৯॥
ন ভবান্ ক্ষত্রধর্ম্মেষু কুশলো হীতি মে মতিঃ। ব্রাহ্মে বলে ভবান্ যুক্তঃ স্বাধ্যায়ে যজ্ঞকর্ম্মণি ॥৫০॥
মাস্ম যুধ্যস্ব কৌন্তেয়। মাস্ম বীরান্ সমাসদঃ। মা চৈনানপ্রিয়ং ব্রূহি মা বৈ ব্রজ মহারণম্ ॥৫১॥
এবমুক্ত্বা ততঃ পার্থং বিসৃজ্য চ মহাবলঃ। ন্যহনৎ পাণ্ডবীং সেনাং বজ্রহস্ত ইবাসুরীম্ ॥৫২॥

তম্না লংশিন্নকই ॥৪২॥ তা অদু নোংমদোন্দা পাইবা পাইনা মৈরি খোল্লা চাকই। কর্ণনা পাইশিন্নকলিবা তা অদুবু তেল্ তরেৎনা ককথৎখি। মতম্ অদুদা কর্ণগী তেম্না ককথবা তা অদু লৈমায়থক্তা তাখি ॥৪৩॥ অদুগী তুংদা যুধিষ্ঠিরনা তোমর কোবা তেল্ মরিনা কর্ণগী পাম্বোম মক অনীদা, থবক্তা অদুগা মরাইবক্ত থারগা সিংহানাদ লাউরকই ॥৪৪॥ মতম্ অসিদা কর্ণগী মশাদগী ঈগী থারা হুন্দন' শিন্থখি। মতম্ অদুদা শাউবনা, মহুপুরবা লিলগী মতৌওম্না নুংশা মপী ফূইনা হোন্দুনা কর্ণনা তা মচীন্শাবা তেল অমনা যুধিষ্ঠিরগী কিরাল্ অদু ককথৎখি। অদুদগী তেল অহুম্না যুধিষ্ঠিরদা কম্না থাখি। অদুগী তুংদা তেন্দোং অনী ককথৎখি। অদুগী তুংদা রথ অদুবুসু থোইদিং মখায়-মখায়মুক্ত চাউনা ককককতুনা লংথোকখি। ॥৪৫॥ মশোং মুববা, ওৌকনবা শগোলশিং অদু থুনা যাওনা রথ অমদা পান্শিন্দুনা যুধিষ্ঠির অসি কর্ণদগী মমায় ওন্দুনা চেন্খি ॥৪৬-৪৭॥ মহারাজ! মতম্ অদুদা কর্ণনা প্রপ্রপ তান্নরকনা খুৎনা তুংলোমদগী যুধিষ্ঠিরগী লোংবান্দা শম্লগা কয়েন্না নোক্নবা অম্না হায়রকই:—"অকন্বগী বংশদা পোক্লবা মতম কুইনা ক্ষত্রিয়গী ধর্ম্ম লৈনম্লবা, লাল্লাওদা য়েন্না কিদুনা করম্বা অকন্থা মীনা লালকম্ থাদোকখুনা চেন্খগে? ॥৪৮-৪৯॥ যুধিষ্ঠির! ঐনা খন্বদা নং অসি ক্ষত্রিয় ধর্ম্মদদি কম্না পাঙব্রি। তুরিৎ চুম্না বেদপাঠ তৌবা, যজ্ঞ চিংবদদি য়াম্না হৈ" ॥৫০॥ "অম্না কুন্তীগী মচা! নং লাল শোক্লগনু। লোকেগে হায়রগা ঐগুম্না অকন্বগী মনাক্তদি চত্তু, লাকউরনু। অকন্বদা অপীব বা হায়রক্ত লাকউরনু। অবিগুম্বা লাল্লাওদা কদুং মনাও অমুক চত্তুনু" ॥৫১॥ অদুগী তুংদা কর্ণনা যুধিষ্ঠিরবু থাদোকপিদুনা ইন্দ্রনা দৈত্যসেনাশিংবু হাৎপগুম্বা পাণ্ডবসেনাশিংবু হাৎপা হৌরকলে ॥৫২-৫৩॥

তভোঽপায়াদ্দ্রুতং রাজন্ ! জীতন্নিব নরেশ্বরঃ । অথাপযান্তং রাজানং মত্তাবীরুত্ম্চুতাস্তম্ ॥৫৩॥
চেদিপাণ্ডবপাঞ্চালাঃ সাত্যকিশ্চ মহারথঃ । দ্রৌপদেয়াস্তথা শূরা মাদ্রীপুত্রৌ চ পাণ্ডবৌ ॥৫৪॥
(যুগ্মকম্)

ততো যুধিষ্ঠিরানীকং দৃষ্ট্বা কর্ণঃ পরাঙ্মুখম্ । কুরুভিঃ সহিতো বীরঃ প্রহৃষ্টঃ পৃষ্ঠতোঽন্বগাৎ ॥৫৫॥
ভেরীশঙ্খমৃদঙ্গানাং কার্ম্মুকাণাঞ্চ নিস্বনৈঃ । বভুব ধার্ত্তরাষ্ট্রাণাং সিংহনাদরবস্তথা ॥৫৬॥
যুধিষ্ঠিরস্তু কৌরব্য ! রথমারুহ্য সত্বরম্ । শ্রুতকীর্ত্তের্মহারাজ ! দৃষ্টবান্ কর্ণবিক্রমম্ ॥৫৭॥
কাল্যমানং বলং দৃষ্ট্বা ধর্ম্মরাজো যুধিষ্ঠিরঃ । স্বান্ যোধানব্রবীৎ ক্রুদ্ধো নিহতৈতান্ কিমাসত ॥৫৮॥
ততো রাজ্ঞাভ্যনুজ্ঞাতাঃ পাণ্ডবানাং মহারথাঃ । ভীমসেনমুখাঃ সর্ব্বে পুত্রাংস্তে প্রত্যুপাদ্রবন্ ॥৫৯॥
অভবত্তুমুলঃ শব্দো যোধানাং তত্র ভারত ! । রথহস্ত্যশ্বপত্তীনাং শস্ত্রাণাঞ্চ ততস্ততঃ ॥৬০॥
উত্তিষ্ঠত প্রহরত প্রেতাভিপততেতি চ । ইতি ব্রুবাণা হ্যন্যোন্যং জঘ্নুর্যোধা মহারণে ॥৬১॥
অভ্রচ্ছায়েব তত্রাসীচ্ছরবৃষ্টিভিরম্বরে । সমাবৃতৈর্নরবরৈর্নিঘ্নদ্ভিরিতরেতরম্ ॥৬২॥
বিপতাকধ্বজচ্ছত্রা ব্যশ্বসূতায়ুধা রণে । ব্যঙ্গাঙ্গাবয়বাঃ পেতুঃ ক্ষিতৌ ক্ষীণাঃ ক্ষিতীশ্বরাঃ ॥৬৩॥

মহারাজ ! অদুগী তুংদা যুধিষ্ঠির রায় ঊকায় ঊকায়না লালকম্‌দগী থৈদোক্‌খি । নিংথৌনা হন্দোকখিবদু উবদা চেদি, পাণ্ডবশিং অমদি পাঞ্চাল লাম্মীশিং মহারথী সাত্যকি, দ্রৌপদীগী মচাশিং অমুগা নকুল সহদেব মখোয় অসিমু যুধিষ্ঠিরগী তুং ইরখি ॥৫৩-৫৪॥ অদুগী তুংদা কর্ণনা যুধিষ্ঠিরনা মমায় লৈদুনা চেনখিবদু উবদা কৌরবশিংগা লোয়নদুনা রায়া পুংতাইনা পাণ্ডব লাম্মীশিং অতৈবু তাম্নখি ॥৫৫॥ মতম অসিদা পুংশেল যত্রনচিংবা মোইবুংগী খোঞ্জেলগা লোয়ন-না লীয়ী থীগুল থীগলদুনা কৌরবলাম্মীশিংনা সিংহনাদ লাউখি ॥৫৬॥ কৌরবনন্দন, মহারাজ ! যুধিষ্ঠিরনা থুনা রাগুনা শ্রুতকীর্ত্তিগী রথদা কাখৎখিদুনা কর্ণগী মহৈ মখোনাবু লাগুবা মুমা বিচায় তৌদুনা য়েংদুনা লৈখি ॥৫৭॥ মাগী লাম্মী পুম্বু কর্ণনা নৈহৎখিবদু উবদা ধর্ম্মরাজ যুধিষ্ঠিরনা রায়া শাউখিদুনা মহাকী লাম্মীশিংদা—"নখোয়না থবক্ ইতো তৌদনা লৈরিবা করিনো ! য়েরুবশিংসিবু হাৎলু" অমুম্ লাউরক্‌ই ॥৫৮॥ মহারাজ ! যুধিষ্ঠিরনা অমুরা য়াথং পীরক্লবদা, ভীমসেননচিংবা পাণ্ডবপক্কগী অকন্‌বশিংনা মহারাজগী মচাঈবুংতোশিং তম্না কয় বুজিলক্‌ই ॥৫৯॥ ভরতনন্দন, মহারাজ ! মতম অদুদা যায়গৈ পুম্বদগী রথ তোংবা, শগোল তোংবা, শাগুতোংবা অমুগা খোণ্ডমীশিংগী হৌরবা খোঞ্জেয়া যায়গৈ মথি পুমনিম্ নিরখি ॥৬০॥ হৌগৎলু, চেপ্পিল্লু, হাৎলু, য়েরুবশিংদা চোংশিল্লু অমুম হায়না লাউয় লাউরদুনা লাম্মীশিং অদুনা পুংথবনবা অবগমনবা হাৎনরক্লে ॥৬১॥ মতম অসিদা লাম্মীশিংনা লাংথরককপা, কাপথোক্রককপা, লাংশিরকপা মুৎপায় শিং অদুনা নোংমদোল্ মকোয় থসি নোংজনা কুপ্‌খিবদু ওয়ারে । ॥৬২॥ আম্ আম্বা, কিযাল, ছত্র, শগোল, সারথি, পুংথায় মশেৎ মশেৎ লাবদন্ লৈবাড়ক্কা অমত্ অমত্ লৈতনা

প্রবণাদিব শৈলানাং শিখরাণি দ্বিপোত্তমাঃ। সারোহা নিহতাঃ পেতুর্বজ্রভিন্না ইবাদ্রয়ঃ ॥৬৪॥
ছিন্নভিন্নবিপর্য্যস্তৈর্বর্মালঙ্কারভূষণৈঃ। সারোহাস্তুরগাঃ পেতুর্হতবীরাঃ সহস্রশঃ ॥৬৫॥
বিপ্রবিদ্ধায়ুধাঙ্গাশ্চ দ্বিরদাশ্বরথৈর্হতাঃ। প্রতিবীরৈশ্চ সম্মর্দে পত্তিসংঘাঃ সহস্রশঃ ॥৬৬॥
বিশালায়ততাম্রাক্ষৈঃ পদ্মেন্দুসদৃশাননৈঃ। শিরোভির্যুদ্ধশৌণ্ডানাং সর্বতঃ সংবৃতা মহী ॥৬৭॥
যথা ভুবি তথা ব্যোম্নি শুশ্রুবুর্নিস্বনং জনাঃ। বিমানৈরপ্সরঃসংঘৈর্গীতবাদিত্রনিস্বনৈঃ ॥৬৮॥
হতানভিমুখান্ বীরান্ বীরৈঃ শতসহস্রশঃ। আরোপ্যারোপ্য গচ্ছন্তি বিমানেষপ্সরোগণাঃ ॥৬৯॥
তদ্দৃষ্ট্বা মহদাশ্চর্য্যং প্রত্যক্ষং স্বর্গলিপ্সয়া। প্রহৃষ্টমনসঃ শূরাঃ ক্ষিপ্রং জঘ্নুঃ পরস্পরম্ ॥৭০॥

তারকৃলি। লাম্মীশিংগী খোঙ খুৎনচিংবা মকক্ মকক্ তারকৃলি। ঈহংনাইহং শায়বা নিংথৌ লাম্মীশিংনা মপৈ মপৈ ওইনা তুথনরকৃলি ॥৬৩॥ মথং মথং নেমথরকপা লমদগী চীঙজাওগী মতোলশিংনা তোবগুম্বা, বজ্রনা থায়থরবা চীঙজাওগী মতৌগুম্বা চাউর চাউরবা শামুশিংনা মথোয়গী মথক্তা অতোংবা গজারোহী লাম্মীশিংগা লোয়ননা লালকম্ লৈমায়থক্তা তুথনরকৃলি ॥৬৪॥ ভাকৃপেন্‌বা লাম্মীশিং হাৎপ্রবদা শগোল লিশিং লিশিংনা মথোয়গী মথক্তা অতোংবা অশ্বারোহীশিংগা লোয়ননা তুথরকৃলি। মতম অদুদা, শগোল তোংবা লাম্মী লিশিং লিশিং অদুগী লালগী ফিজেৎ লৈতেং লালকুম্বিৎনচিংবা পূম্নমক্না মতৎ মতৎ, মচেৎ মচেৎথোক্না ঈচাই চাইনা তারি ॥৬৫ অস্নুম্না শোক্নরকপা মতমসিদা শগোল শামু মথ কয়া কয়ানা অদুগা য়েক্নবনা হাৎপা খোঙমীলিশিং লিশিংনা লৈমায় থক্ত তুথরকৃলি। তুথরকপা মতমসিদা মথোয়গী মথোঙ মথুৎ অদুসু মচেৎ মচেৎথোক্না মায়কৈ মথিদা পূমচাই চাইনা তারকই ॥৬৬॥ মীকুপ অমগী মমাঙদা লান্দা ময়ায় কারম্বা অকন্‌বা কয়া-কয়াগী মকোক্না লালকম্ অদু খুরক্ হাঙদনা কুপথ্রে। কোক্ খুদিংদা মাওরিবা-পাল্লিবা মীৎশিং অদু কোয়য়াওনৈ, কোয়ী মচু থাল্লি, মায়থোংশিং অমমম্বা থাজগুম্ নীঙথিজৈ ॥৬৭॥ মকম্নুদা লৈবা অউবশিংনা লাম্মীশিংনা লাউনরকপা খোঞ্জেল অদু লৈথক্ লৈথা অনীমক্তা চপ মান্নবা তাথি। হায়রবদি লৈমায় থক্ত তাব খোঞ্জেলমা লাম্মীশিংনা লাউবা খোংবা, পেয়ে মিজাম্ম ঝোইবুংনচিংবশী। নোংমদোম্বক্তা তাব মথোন্না তাবক্ ওইরিবা লাইরামগী বিমানশিংগী অদুগা অপসরাশিংগী ইশৈগীনি। ॥৬৮॥ অকন্‌বা লিশিং লিশিং চাম চামনা অমগমগ হকথেংননা মুখামুখি ওইনা হাৎনবদা মথৎই থারবশিং অদুবু অপসরাশিংনা মাগী মাগী বিমানদা হাপকৎ হাপকৎলগা স্বর্গদা পুখি ॥৬৯॥ থৌদোক্ অদু উবদা লৈহৌরিবা অকন্‌বা লাম্মীশিং অচন্দু শুরক্ খুদেক্তা স্বর্গতি ওইনীঙবনা, নীঙহন্নদনা অকিবা লৈতনা ক্ষত্রিয় ধর্ম্ম মজুংইমা য়েক্নবশিংদা চোংশিন্ চোংশিন্দুনা মথৎই থাখি ॥৭০॥

রথিনো রথিভিঃ সার্দ্ধং চিত্রং যুযুধুরাহবে । পত্তয়ঃ পত্তিভির্নাগাঃ সহ নাগৈর্হয়ৈর্হয়াঃ ॥৭১॥
এবং প্রবৃত্তে সংগ্রামে গজবাজিনরক্ষয়ে । সৈন্যেন রজসা ব্যাপ্তে স্বে স্বান্ জঘ্নুঃ পরে পরান্ ॥৭২॥
কচাকচি যুদ্ধমাসীদ্দন্তাদন্তি নখানখি । মুষ্টিযুদ্ধং নিযুদ্ধঞ্চ দেহপাপ্মবিনাশনম্ ॥৭৩॥
তথা বর্ত্ততি সংগ্রামে গজবাজিনরক্ষয়ে । নরাশ্বগজদেহেভ্যঃ প্রসৃতা লোহিতাপগা ॥৭৪॥
নরাশ্বগজদেহান্ সা ব্যবাহ পতিতান্ বহূন্ । রথাশ্বগজসংবাধে নরাশ্বরথসাদিনাম্ ॥৭৫॥
লোহিতোদা মহাঘোরা মাংসশোণিতকর্দ্দমা । নরাশ্বগজদেহান্ সা বহন্তী ভীরুভীষণা ॥৭৬॥

(যুগ্মকম্)

তস্যাঃ পারমপারঞ্চ ব্রজন্তি বিজয়ৈষিণঃ । গাধেন চাপ্লবন্তি স্ম নিমজ্জ্যোন্মজ্জ্য চাপরে ॥৭৭॥

রথীগা রথীগা, খোঙমীগা খোঙমীগা, শগোল তোংবা লান্মীগা শগোল তোংবা লান্মীগা, শামু তোংব লান্মীগা শামুতোংবা লান্মীগ। অহৎগী হেন্বোক্না শামুগা শামুগা, শগোলগা শগোলগা মাগী মাগী মপা—লান্ব। য়েংন য়েংনহুনা হাইজিন্নবি, খেংপাইনবি, ফুজিন্নবি, চৌকবি, কাওনবি, ফুনবি থিন্নবি ॥৭১॥ লাল অহূনা মতৌঅসুম্না হান্নবীওঙাই লৈতনা অকিবকংনা চখরক্রবদা মী, শগোল, শামুগী অশিবা হকচাং মপৈমপৈনা পৈখৎনরকতুনা, লান্কম্ অদো চীরু চান্নকম্ করিমত লৈখিরে। ওহাক লৈরগা কৌরব পাণ্ডবপক্ষ অনীমকী লান্মীশিং অসি মাগী মীচওলা মীগী মীচওলা হান্নবহু খোইনা য়েংনরুদনা অকংঅকং পঙহাত্ত হাৎনরকলে ॥৭২॥

মশমগা মশমগা য়াগায়াগা, খুত্থমগা খুত্থমগা খুজীন্গা খুজীন্গা
পাম্বোম্গ পাম্বোম্গা ফুনত্তনরগা, থরাই হকচাং পাপপু মাওহল্লি ॥৭৩॥

মতৌ অসুম্না কন্না থেংনরক্রবদা শগোল শামুশিংনা অমুমুক্তা লিশিংলিশিং চাম চামনা থুজীং ওইনা লৈমান্নথক্ত হাউখনরকলি। মতম্ অসিদা শগোল শামু তাইবং মীগী ঈতনা শাফুকন্ন ঈথক্ ইগোম্নগা লোন্ননা চেনবী তুরেল অম চেহ্থি ॥৭৪॥ ঈগী তুরেল অহূনা শগোলশামু মীগী অশিবা মথাম্ন, মকোকপু মখোঙমথুং মপাম্বোম্ কয়াকয়াবু আ-কদায় কদায় য়ৌনা চেহ্থি। ঈশিং ঈচাওনা থুম্হৎলবা পাক্রবা লৌবুক অমওন্নবা, শগোল শামুরথী খোঙমীনা শীকথন্নবা পাকচাউরবা কুরুক্ষেত্রগী লান্- কম্ অহ, লান্মীশিংগী অমদি শগোল শামুগী ঈতনা থুম্হৎখ্রে। মাঙ্গদা তাউখনমক্রিবা অশি বশিং অতুগীমথক্তা লান্মীশিংনা নেৎ নেৎতুনা কা-কাহুনা চৎনরকপা ঈন্নরকপহুদা য়ান্না নঙনা লৈখোম্ খোক- খিহুনা লালকম্ অহ ঈগা শরুচান্নতগনা পীৎ-পীৎ লাউনা লৈখোম য়ান হোৎবা পাক্রবা লম্পাক অমওইখ্রে। অসুম্ ওইবী, বৈতরণীগী মশক পূরবী, অকিবগী মশক ওইরবী তুরেল অসিনা অকিব পাণ্ডবশিংগী থম্মোয়দা অকিব-থিপাইবা পোকহন্লুনা তাইবং মীগী শগোল শামুগী হকচাংগী ঈরৈ কয় হোৎখি ॥৭৫—৭৬॥ লাম্দা থরাই থানীওবা, মথিজ লৈথশিংনা মীওঙারবা লৈওবা তুরেল

তে তু লোহিতদিগ্ধাঙ্গা রক্তবর্ম্মায়ুধাম্বরাঃ। সম্বভুস্তাং পপুস্তাং বস্ত্রঞ্চ ভারত ॥৭৮॥
রথানশ্বান্ নরান্ নাগানায়ুধাভরণানি চ। বসনান্যথ বর্ম্মাণি বধ্যমানান্ হতানপি ॥৭৯॥
খং তাং ভুমিং দিশশ্চৈব প্রায়ঃ পশ্যাম লোহিতাঃ।
লোহিতস্য তু গন্ধেন স্পর্শেন চ রসেন চ ॥৮০॥
রূপেণ চাতিরিক্তেন শব্দেন চ বিসর্পতা। বিষাদঃ সুমহানাসীৎ প্রায়ঃ সৈন্যস্য ভারত ॥৮১॥
(বিশেষকম্)
তত্তু বিপ্রহতং সৈন্যং ভীমসেনমুখাস্তদা। ভূয়ঃ সমাদ্রবন্ বীরাঃ সাত্যকিপ্রমুখা রথাঃ ॥৮২॥
তেষামাপততাং বেগমবিষহ্যং নিরীক্ষ্য চ। পুত্রাণাং তে মহৎ সৈন্যমাসীদ্রাজন্ পরাঙ্মুখম্ ॥৮৩॥
তৎ প্রকীর্ণরথাশ্বেভং নরবাজিসমাকুলম্। বিধ্বস্তচর্ম্মকবচং প্রবিদ্ধায়ুধকার্ম্মুকম্ ॥৮৪॥

অদুদা চোংথ চোংথদুনা লাম্বোক্লম্রি। পাণ্ডববা খরনা ভুরেল অদুগী তোর্ব্বান্দা চপচপ লেপদুনা হুইঙক্-য়েংঙক চাদুনা লৈরি। অদুগা কনা কনাগুম্বা লাম্মীশিংনা মরেপ কংবা কংবা মকমদা কূম্থদুনা লুপ্লি, ঈয়োইরি ॥৭৭॥ ভরত শাগৈগী অথোইবা! মশাদু ঈনাপূর্নুপ পুম্নমা, লানফুরিং অদু ঈনাপূমতৈ তৈরবা, লাম্মীশিং অদুনা মনম্মরোংবান্দা লালগী পোচ্চে খুৎশু খুৎলায় য়াওনা য়াওনা ঈগীতুরেল অদুদা ঈরুজরি, ঈথোলাংলবা লাম্মীশিংনা ঈথুজোক থু:জোক থক্লি। কনা কনগুম্বনা মাদুম্ তৌরম্ তৌরম্মগা চোকথরক্নানা ঈ-ভুরেলগী তোর্বান্দুদা লেঙবা ওৎপা য়াদনা হীকথদুনা হাইথুনরি ॥৭৮॥ ভরত শাগৈগী অথোইবা মহারাজ! মতম্ অদুদা করি উনখিবগে হায়বদু শিরক-শিল্লিবা শগোলশামু, খোঙমী লাম্মী, লালগী কিজেৎ-কিয়াল রথ অসিনচিংবা, অদুগা অয়াম্ম অনকপা অনীমক্কী অতিয়া মকোয়, নৈথকলৈথা মায়গৈ সলাই পুম্নমক অ সি ঈতনা পুম্ঙাং ঙাঙখি। মায়গৈ ভরাদা শন্দোরক্লিবা ঈগীরূপ, রস, গন্ধ, স্পর্শ, শব্দশিং অদুনা লাম্মীশিংগী থম্মোয় হকচাংদা লুংঙাইতবা হংগোইবস্থ পোকহল্লি। * ॥৭৯—৮১॥ মতম অসিদা কল্লগা ভীমসেন অদুগা সাত্যকিনচিংবা রথীশিংনা মতৌ অম্মুম্বা রানবর মতম্সিদা কৌরব লাম্মীশিংগী মায়গৈদা চেলশিল্লকই ॥৮২॥ মহারাজ! মখোয়না চেলশিল ফুজিন্নকলিবদু থাঙবা ঙম্মানবে হায়না খন্দুনা কৌরব লাম্মীশিংনা নীঙহম্নখি ॥৮৩॥ মতম অদুদা বনগী মদুংদা নোংশানা নৈরকপদা শাম্নুশিংনা মপৈমপৈনা কায়দুনা চেল্লবদুগুম্বা কৌরব লাম্মী পুম্নমক মায়গৈ মরিকাংনা কায়দুনা চেন্নরে। মরমদি, মতম অদুদা পাণ্ডবপাক্কী অকনবশিংনা নৈরকপদুদা কৌরব তেকোলগী অদুগী রথীশিং, শখোল

---

* টীকা :—ঈ—ঈপাক্কী মশকউবদা, থকুউবদা, মনম্দু নম্মুবদা, খোঙখুৎনা লুম্-থেংঙবদা, ঈয়াওখোল তাবদা লাম্মীশিংগী মথীৎতা, মরৈদা, মনাতোম্বা, খোঙখুত্তা, নাকোংদা, হায়বদি মীৎ নাকোংনচিংবা ইন্দ্রিয় মঙাদা লুংঙাইকম্ পোথাকম্ ঈরৈ লৈতে।

ব্যাঘ্রকত্তাবকং সৈন্যং লোড্যমানং সমন্ততঃ। সিংহান্দিতমিবারণ্যে যথা গজকুলং তথা ॥৮৫॥
(যুগ্মকম্)

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
সঙ্কুলযুদ্ধে সপ্তত্রিংশোঽধ্যায়ঃ ।০। *

তোংবা শামুতোংবা লান্মীশিং, খোঙমীশিং অহু মায়বৈ পূম্বদা পূমচাই চাইনখ্রে। হায়রিবা লান্মীশিং অসি চোকথখিবা কাশিবনা লেঙবা মায়কত্রে। মথোয়গী মথুং মখুত্ত পায়রিবা থাঙতানচিংবা খুৎলায়-শিংহু লোইননা হীকথহুনা তাথ্রে। লীরুং তেম্নচিংবা খুৎলায় কম্বা কয়ান্নু মপা মপাদগী মথন্ত হীকথহুনা তারি ॥৮৪—৮৫॥

মকম অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা কঙ্কুলযুদ্ধগী কুন্থ্রাতরেৎতুবা অধ্যায় লোয়রে ॥×॥×॥×॥×॥

শ্রীমহাভারতম্

অষ্টত্রিংশোঽধ্যায়ঃ।

কুন্থ্রানিপাল শুবা অধ্যায়

(কর্ণনা নীঙথম্নবগী মতাং)

সঞ্জয় উবাচ।

তানভিদ্রবতো দৃষ্ট্বা পাণ্ডবাংস্তাবকং বলম্। দুর্য্যোধনো মহারাজ! বারয়ামাস সর্ব্বশঃ ॥১॥
যোধাংশ্চ স্ববলঞ্চৈব সমন্তাত্তমবর্ত্তত। ক্রোশতস্তব পুত্রস্য ন স্ম রাজন্! ন্যবর্ত্তত ॥২॥
ততঃ পক্ষঃ প্রপক্ষশ্চ শকুনিশ্চাপি সৌবলঃ। তদা সশস্ত্রা কুরবো ভীমমভ্যদ্রবন্ রণে ॥৩॥
কর্ণোঽপি দৃষ্ট্বা দ্রবতো ধার্ত্তরাষ্ট্রান্ সরাজকান্। মদ্ররাজমুবাচেদং যাহি ভীমরথং প্রতি ॥৪॥

সঞ্জয়না হায় ঃ—মহারাজ! পাণ্ডবশিংনা চঙশিল্লকপা উবদা কায়নরবা কৌরব লান্মীশিং অহুন্ন দুর্য্যোধননা খামজিল্লকই ॥১॥ অহুব্ মহারাজ! নচাঈবুক্তে দুর্য্যোধননা কনা মায়া কৌশিল্লি কম্না খাম্জিল্লিদি হায়বসু কৌরব লান্মীশিং অহু অমুক মমায় ওন্শিল্লকউ হায়বা মাব মঙৈথিজে ॥২॥ অহুনগীদি বেহু অহুগী নাকল অনীমক্ত লৈরিবা লান্মীশিং অহুনা অহুগা সুবলগী মচা, শকুনি, নচিংবা খরনা মখুত্তা পুৎলায় পায়দুনা ভীম তয়া চেলশিল্লকই। লান্মীশিংনা দুর্য্যোধনগা লোয়ননা

এবমুক্তস্তু কর্ণেন শল্যো মদ্রাধিপস্তদা। হংসবর্ণান্ হয়ানগ্র্যান্ প্রৈষীদ্যত্র বৃকোদরঃ ॥৫॥
তে প্রেরিতা মহারাজ! শল্যেনাহবশোভিনা। ভীমসেনরথং প্রাপ্য সমসজ্জন্ত বাজিনঃ ॥৬॥
দৃষ্ট্বা কর্ণং সমায়ান্তং ভীমঃ ক্রোধসমন্বিতঃ। মতিং চক্রে বিনাশায় কর্ণস্য ভরতর্ষভ ॥৭॥
সোঽব্রবীৎ সাত্যকিং বীরং ধৃষ্টদ্যুম্নঞ্চ পার্ষতম্। যূয়ং রক্ষত রাজানং ধর্ম্মাত্মানং যুধিষ্ঠিরম্ ॥৮॥
সংশয়ান্মহতো মুক্তং কথঞ্চিৎ প্রেক্ষতো মম। অগ্রতো মে কৃতো রাজা ছিন্নসর্ব্বপরিচ্ছদঃ ॥৯॥
দুর্য্যোধনস্য প্রীত্যর্থং রাধেয়েন দুরাত্মনা। অহমন্তং গমিষ্যামি তস্য দুঃখস্য পার্ষত। ॥১০॥
(বিশেষকম্)

হন্তাস্ম্যদ্য রণে কর্ণং স বা মাং নিহনিষ্যতি। সংগ্রামেণ সুঘোরেণ সত্যমেতদ্ব্রবীমি তে ॥১১॥
রাজানমদ্য ভবতাং ন্যাসভূতং দদামি বৈ। তস্য সংরক্ষণে সর্ব্বে যতধ্বং বিগতজ্বরাঃ ॥১২॥
এবমুক্ত্বা মহাবাহুঃ প্রায়াদাধিরথিং প্রতি। সিংহনাদেন মহতা সর্ব্বাঃ সংনাদয়ন্ দিশঃ ॥১৩॥
দৃষ্ট্বা ত্বরিতমায়ান্তং ভীমং যুদ্ধাভিনন্দিনম্। সূতপুত্রমথোবাচ মদ্রাণামীশ্বরো বিভুঃ ॥১৪॥

ভীমতম্না চেলশিনখিবহু উৎদা অসোমদা কর্ণস্থু মাগী সারথি শল্যদা "ভীমনা লৈরিবা অসোমদা রথ থোজিন্‌থিন্ন"—হায়রকই ॥৪॥ কর্ণনা অস্থুম্না হায়রবদা শল্যনা কাংগী মতৌঙ্গম তৌরবা শগোলশিং অদু ভীমনা লৈরিবদোম্‌দা থুনায়াঙনা থোজিন্নকই ॥৫॥ মহারাজ! লানগী লৈতেংগী মথক ওইরবা শল্যনা থোরকপহুদা শগোলশিং অদুনা ভীমসেনগী রথগী মনাক্তা চেহ্‌নিংথিল্লনা ভীমগী লান্মী মরক অদুদা চঙশিনখি ॥৬॥ ভরত শাগেগী অথোইবা! মহারাজ! কর্ণনা লাকপামি উৎনা শাউরবা ভীমসেননা মহাকপু লোইখোক্লগে হায়রবা চপ্‌থুংনা থনখ্রে ॥৭॥ অদুদগী ভীমসেননা মহাবীর সাত্যকি অমদি পৃষতনন্দন ধৃষ্টদ্যুম্ন অনীদা অস্থুম্না হায়রকই:—"অকনবা অনীনা রাজাং মহারাজবু শেন্নহুনা লৈবিয়ু। ঙসিদি রাজাং মহারাজ যুধিষ্ঠির অসি পুনশি মতোল লোথ মাথ থোদোক অমদি উচিরাচিন্ন নাম্থোকহৌরে। মরমদি কন্নবা কর্ণ হায়রবা অসিনা দুর্য্যোধনগী দমক্তনি হায়রহুনা ঐগী মাঙমক্তদা রাজাংগী লানগী কীজোল পুম্ন কককথেথি। অদুনা পৃষতনন্দন! অকনবা! রাজাংবু ঙাকশেন্নুনা লৈবিয়ু। ঙসি ঐ ঐগী থম্মোয়দা চাকহুনা লৈরিবা, লাকচখিবগী মৈ অসে মুথৎলগা অরাব-দুংঙাইতবগী ঈপাক অসে লাম্থোকপগে ॥৮—১০॥

ভীম ঐ ঙসি অকিবা কংনা শোক্নহুনা পাম্মী কর্ণবু হাৎকে। নত্রগা ঙম্নগা মানা ঐবু হাৎপ্রসনু। মরামদা ঐনা হায় রিবসে শোয়রবনি হায়না থঙবিয়ু ॥১১॥ "ঐনা ঙসি অকন্‌বা নহাকী নকমদা রাজাং মহারাজবু শিন্নরি। অদুগা মরাম্না নীঙঙায়বা লৈতনা রাজাংবু শোয়-ঙাম্‌দনবা চেহ্‌শিন্না শেন্নবিয়ু" ॥১২॥ মহারাজ! ভীমসেননা অস্থুম্না হায়রদুগা আকাশ পাতাল কাওনা সিংহনাদ লাউনা লাউনা, রাজাগী খোম্বালনা মায়গৈ তন্না পুন্‌থিন্ নিন্না কর্ণনা লৈরিবা অংকোম্‌দা থাবক চেন্‌শিনকই ॥১৩॥ পান্না মরাম কারবা ভীমসেননা চেন্‌শিনখিপসি উৎবা মদ্ররাজ শল্যনা

শল্য উবাচ।

পশ্য কর্ণ! মহাবাহুং সংক্রুদ্ধং পাণ্ডুনন্দনম্। দীর্ঘকালার্জিতং ক্রোধং মোক্তুকামং ত্বয়ি ধ্রুবম্ ॥১৫॥
ঈদৃশং নাস্য রূপং মে দৃষ্টপূর্ব্বং কদাচন। অভিমন্যৌ হতে কর্ণ! রাক্ষসে চ ঘটোৎকচে ॥১৬॥
ত্রৈলোক্যস্য সমস্তস্য শক্তঃ ক্রুদ্ধো নিবারণে। বিভর্ত্তি যাদৃশং রূপং যুগান্তাগ্নিসমপ্রভম্ ॥১৭॥

সঞ্জয় উবাচ।

ইতি ব্রুবতি রাধেয়ং মদ্রাণামীশ্বরে নৃপ!। অভ্যবর্ত্তত বৈ কর্ণং ক্রোধদীপ্তো বৃকোদরঃ ॥১৮॥
তথাগতন্তু সংপ্রেক্ষ্য ভীমং যুদ্ধাভিনন্দিনম্। অব্রবীদ্বচনং শল্যং রাধেয়ঃ প্রহসন্নিব ॥১৯॥
যদুক্তং বচনং মেঽদ্য ত্বয়া মদ্রজনেশ্বর!। ভীমসেনং প্রতি বিভো! তৎ সত্যং নাত্র সংশয়ঃ ॥২০॥
এষ শূরশ্চ বীরশ্চ ক্রোধনশ্চ বৃকোদরঃ। নিরপেক্ষঃ শরীরে চ প্রাণতশ্চ বলাধিকঃ ॥২১॥
অজ্ঞাতবাসং বসতা বিরাটনগরে তদা। দ্রৌপদ্যাঃ প্রিয়কামেন কেবলং বাহুসংশ্রয়াৎ ॥২২॥
গূঢ়ভাবং সমাশ্রিত্য কীচকঃ সগণো হতঃ। সোঽদ্য সংগ্রামশিরসি সন্নদ্ধঃ ক্রোধমূর্চ্ছিতঃ ॥২৩॥
কিঙ্করোদ্যতদণ্ডেন মৃত্যুনাপি ব্রজেদ্রণে। চিরকালাভিলষিতো মমায়ন্তু মনোরথঃ ॥২৪॥
(বিশেষকম্)

কর্ণদা অসুম্না হায়রকই:—॥১৪॥ কর্ণ! য়েংউ কর্ণ। ভীম আসে হন্দক্তি লৈজবা মরিল মথোনা কুদোক্‌না কয়ানা চঙ্‌শিন্নকলিবনো। ঙসিদি মহাক্না মাগী থম্মোয়দা মতম কুইনা ওমথুনা লৈরম্বা সুংঙাইতবা শাউনিংবা পুম্বব অচুগা লমন্ থুদ্দগী মৈ অদুবু নংগী নথক্তা হৈথগে হায়না থজি ॥১৫॥ কর্ণ। অভিমন্যু ঘটোৎকচবু হাৎখিবদসু ভীমগী অসিগুম্বা মুর্ত্তিসে ঐ থক উখিদে ॥১৬॥ প্রলয়গী মৈগী মতোঙয়া মহাক্না ঙসি অকিবা মূর্ত্তি অম পুরিবসিনদি ঙসি ভীমবু মরোল অরুম অসিদা কনা অমতনা থিংবা ঙম্মোইদৌরি ॥১৭॥ সঞ্জয়না হায়:—মহারাজ। শল্যনা অসুম্না হায়রিঙৈমক্তদা ভীম অসি কর্ণগী নাক্ত হেক্ থুংঙৈ ॥১৮॥ লান্দা সুংঙাইজরবা ভীমসেননা-ওম্বোক্পা কীবমদা লাকপহু উবদা কর্ণনা নোক্না নোক্না শল্যদা হায়রকই:—॥১৯॥ কনবা, মদ্ররাজ! অকনব নহাক্না মমাঙৈদা ভীমসেনগী মরমদি হায়খিবদো অচুম্বমক্নি। মাদুদা কন্নিসু চিংমকম্ লৈতে ॥২০॥ ভীম হায়বা নিপাসে মহৈদসু অকন্বা, হক্চাংদসু কন্বা, শাউগন্বা, মীনা লাকচবা য়াদবা, মশাবু খোইজোক্না পম্মুদবা, মঙিল লৈবা মশানা মপুক্রীং খোগৎচবা মীওং অমনি। মতম অসিদা শারীরিক শক্তিদা থ্বাইদগী হেন্বা নিপা অমনি ॥২১॥ অহৈঙৈ বিরাট লৈপাক্তা লৈরিঙৈদা, দ্রৌপদীগী মপুক্রীং থুংননবা, মশাগী পাজল অমদি মবুক্তিনা তুমিন্না কনাসু কনাহু থজহন্‌বা কীচকপু মাগী মমাঙশিং অমদি মনাই-মশাল খোখোয়গা লোয়মনা হাৎখিবনি। নিপা আসে, ঙসি মশাউবনা মমীতা ঐ কাম্নলা লাক্নি। অদুবু শল্য! অদুগা মীশক্তিং হায়রবা মহারাজ দণ্ড শাম্বা কমরাজমুসু ওপাদয়নে! কন্নে ঐসু অকন্বা অসিদা...

অর্জ্জুনং কুরুতে ত্রাণং মাং চ [illegible]। স মে কস্মাচ্চিদেব [illegible] ॥২৪॥
প্রবাণ লৈতনা কল্লবা অর্জ্জুননা, মতম অসিদা সনানা তেম্না তেম্মৈ পাম্নবা, ঈরং ঈরং লংলবা মচীন পানা কম্না তুম্নবা তেলমক্ত মাম্নকৈ মরি ওন্থুনা কাপ্‌শিল্লকৈ ॥১০৫॥ পাণ্ডবগী লীরী শাইদ্রনা, তেলা থোংদ্রনা কাপ্‌থোকপগী মতম্‌সিদা অর্জ্জুনগী খুথাঙগা লীম্নীগা থেংনবগী ঠং ঠং লাউবা থোক্লেলগ্র তাবদা পৃথিবী, আকাশ, মাম্নগে পূম্বা, চীঙমান তুম্নেল সমুদ্র পুম্নমকপুম্ থিনগাই-হোগ্রাইগ্রবমা হাম্নমা চিংনবা পোক্‌খি ॥১০৬॥ মহারথী অর্জ্জুননা মতো অম্নম্না ক্ষত্রিয় লাম্নী লিশিং তাম্না হাৎলগা সংশপ্তক লাম্নী মপেন্থগী চিদাইদা থোজিন্‌খি ॥১০৭॥ অর্জ্জুননা মতো অম্নম্না সংশপ্তক লাম্নী তেন্দোলগী নাকল চিদাই অমদা চঙশিনগ্রগা ইন্দ্রনা দৈত্যদানব মম্নাক্ষু নৈথাইম্নকপন্থওম্না সংশপ্তক লাম্নীশিং অন্থব নৈথাইম্নকলে ॥১০৮॥ অর্জ্জুননা অম্নমুক তা মচোল শাবা তেল চাম চাম-লিশিং লিশিং কাপ্‌শিল্লক্লুনা খুৎলাম পাম্নবা ম্নেক্লবশিং মীপুম্ খুদিংগী খুৎলাম্নগা লোম্ননম্নিব মখুৎ মপাম্বোম, কৈগল, মঙক লোইনা ককথৎখিনি ॥১০৯॥ খুৎলাম্নগা লোম্ননমবা মখুৎশিং অহ ককথৎখিবন্থদা সংশপ্তক লাম্নীশিং অসি খুৎলাম ম্নাওনদন্থনা, মুৎশিং লোংলৈনা হাইহৎলবা মনামপাম্নদি শম্নবা, মপা অচৌ অচৌবদি ম্নাওম্নবা ম্নাং চাউম্নবা উপাক্কী অমমম্‌ওম্না কোম্নম্নৈ লৈনা লৈমাম্নবক্তা হাইথুনখি ॥১১০॥ অর্জ্জুননা মতো অম্নম্না শগোল শামু রথ, খোঙমী কম্না কম্না হাৎক্ললমদা অর্জ্জুননা হাম্না হাৎপ্রবা কাম্বোজরাজ সুদক্ষিণগী মনাও অকনবা মসি মমৎ অথম্ লৈতনা কাপ্‌শিল্লকখুনা অর্জ্জুন তম্না চঙশিল্লকই ॥১১১॥ মতম অম্রুদা অর্জ্জুননা থামচেৎ শাবা থোম্নবা তেল অনীনা অকনবা অম্নগী ম্নোৎস্নকমুক চাউবা পাম্বোম্ অনীম্ন ককলগা খুমচীন্ শাবা তেল অমনা মক্কী মপুংকাম্নবা শাওম্ন মাম্নথোং চাওম্নবা মকোক্ [illegible] কুপ্থখি ॥১১২॥ মপাম্নগী ঈনা ঈথোং থইনা চেম্নখি। মকোক ম্নাওম্নবা মাম্নী

সুদক্ষিণাদবরজং কাম্বোজং শত্রুতর্ষণম্। প্রাংশুং কমলপত্রাক্ষমত্যর্থং প্রিয়দর্শনম্ ।।১১৪।।
কাঞ্চনস্তম্ভসদৃশং ভিন্নং হেমগিরিং যথা। ততোঽভবৎ পুনর্যুদ্ধং ঘোরমত্যর্থমদ্ভুতম্ ।।১১৫।।
(যুগ্মকম্)

নানাবস্থাশ্চ যোধানাং বভূবুস্তত্র যুধ্যতাম্। এককুরিহতৈশ্চান্যৈঃ কাম্বোজৈর্যবনৈঃ শকৈঃ ।।১১৬।।
শোণিতাক্তৈস্তদা রক্তং সর্বমাসীদ্বিশাম্পতে। রথৈর্হতাশ্বসূতৈশ্চ হতারোহৈশ্চ বাজিভিঃ ।।১১৭।।
দ্বিরদৈশ্চ হতারোহৈর্মহামাত্রৈর্হতদ্বিপৈঃ। অন্যোন্যেন মহারাজ। কৃতো রৌদ্রো জনক্ষয়ঃ ।।১১৮।।
(বিশেষকম্)

তস্মিন্ প্রপক্ষে পক্ষে চ নিহতে সব্যসাচিনা। অর্জ্জুনং প্রয়াতং শ্রেষ্ঠং জয়িতো দ্রৌণিরাহবে ।।১১৯।।
বিধুন্বানো মহচ্চাপং কার্ত্তস্বরবিভূষিতম্। আদদানঃ শরান্ ঘোরান্ স্বরশ্মীনিব ভাস্করঃ ।।১২০।।
ক্রোধামর্ষবিবৃত্তাস্যো লোহিতাক্ষো বলো বলী। অন্তকালে যথা ক্রুদ্ধো মৃত্যুঃ কিঙ্কর দণ্ডভৃৎ ।।১২১।।
(যুগ্মকম্)

ততঃ প্রাস্যচ্ছরান্ ঘোরান্ শরবর্ষাণি সংঘশঃ। তৈর্বিদ্রুতৈর্মহারাজ। ব্যদ্রবৎ পাণ্ডবী চমূঃ ।।১২২।।

হকচাং অহুনা মন্নবা থাম্বথরবা, সুন্দোরা অমবা চাউবোম্বা কীহনকপানী মতৌ ওম্বা। মথ মথক্তদী লৈমায়থক্ত তুংথি ।।১১৩।। অতদগী থাংচাউরবা, খবানমৈত্তা তারবা, মশক্ থতৌ কমলগা, লমাদী মুখীওবা, সুমেরু চাউজাওগী মতৌ ওম্বা লৌরবা, সুদক্ষিণগী মনাও নিপা অকনবা, কাম্বোজ লান্নী শুমগী মেতা অসিনা শিখিরহু খাইনা মরেক লামা উনখি। অদুগীদি অকিবগী মথক্ থইরবা লান্নাও অমুক্ হৌখ্রে ।।১১৪-১১৫।। মহারাজ। মতম অসিদা লানশোক্লবিথা লান্মীশিং অতুগী ওয়োক ওয়োকপা তোঙান তোঙানবা অংহাম্ উৎ কংখি। অর্জ্জুননা তেল অসমমত্তা থাদক্লবদা অশ্ব, কাম্বোজ, যবন — শককী লাম্মীশিংদুগা অমগী মথংদা অমঃ মথং মথং লোন্থৎলকুবা লৈমায়থক্ত ঈহং নাইহং শানা শানা তুংথি। মতম অসিদা লালুকপ্ লৈমায় মপূম্ অদুনা ঈকম্বা পূমণাও তাখ্রে। অদুগা মহারাজ। রথশিংদা পাল্লবা কয়বা শগোল শাবখি লিশিং লিশিংগা, শগোল শাবুশিংগী মথক্ত তোংওবা লান্মীশিংদা অদুগা শগোল শাবুশিংশিং লিশিংনা শিনবকুপশিক অকিব গী মথক কংলবা মহাপ্রলয়না লানগী মথক লৌখ্রে ।।১১৬-১১৮।। মতম্ অসিদা কৌরবক্লাবী মরক্তা, মমীৎ তাঙলৈমবা, কয়বা অথবাবা অসি, ননাবা লৈতেংলবা শাংলবা থাদি শীঙকং মহু শাম্থত্নবা, তুমিংনা মশাগী মতাম্ মশৈমু পুবা চিংশিনবকত্তা অকিবগী মথক্ থইরবা লেঙকাতিংবা মুখলাম্মক্ত পুরনা, খাউখিবনা লৈনম্ থজবা মগী কাম্বোজনা কীবগী অতকপাদী মজাদনা কিঙ্কর কৌবা চৈফুপ লেংথোং শাদনা লাকপা থৌরাংগী মতৌওম্বা 'পাণ্ডবদা মশেক মতাকপা লোয়ননা লৌখি ।।১১৯--১২১।।

মহারাজ। অশ্বত্থামা থৌর কৌরবশিংদুদুদা দৈর মহৈ 'অনবস্থিতমূর্ত্তা' মতম্মিদা শাকপা লাবী পূরবা তুংলোখ্না। হৌরকলৈ, "লাক" শাম্ থীবলোহানবা ১২২- থেমনা পাণ্ডবগী পাকপা

স দৃষ্ট্বৈব তু দাশার্হং [illegible] বিশাম্পতে। পুনঃ প্রাস্যচ্ছরাণি শরজালানি [illegible]
[illegible] ঃ [illegible] দ্রৌণির্মুক্তৈঃ [illegible] সংছাদয়িত্বা, [illegible] [illegible]
ততঃ শরশতৈস্তীক্ষ্ণৈরশ্বত্থামা প্রতাপবান্। নিশ্চেষ্টৌ তাবুভৌ চক্রে যুদ্ধে মাধবপাণ্ডবৌ ॥১২৫॥
হাহাকৃতমভূৎ সর্ব্বং জঙ্গমং স্থাবরং তথা। চরাচরস্য গোপ্তারৌ দৃষ্ট্বা সংছাদিতৌ শরৈঃ ॥১২৬॥
সিদ্ধচারণসংঘাশ্চ সম্পেতুস্তে সমন্ততঃ। চিন্তয়ন্তো ভবেদদ্য লোকানাং স্বস্ত্যপীতি চ ॥১২৭॥
ন ময়া তাদৃশো রাজন্। দৃষ্টপূর্ব্বঃ পরাক্রমঃ। সংগ্রামে যাদৃশো দ্রৌণেঃ কৃষ্ণৌ সংছাদয়িষ্যতঃ ॥১২৮॥
দ্রৌণেস্তু ধনুষঃ শব্দমহিতত্রাসনং রণে। অশ্রৌষং বহুশো রাজন্! সিংহস্য নদতো যথা ॥১২৯॥
জ্যা চাস্য চরতো যুদ্ধে সব্যদক্ষিণমস্যতঃ। বিদ্যুদম্বুদমধ্যস্থা জাজ্বল্যমানেব সাভবৎ ॥১৩০॥
স তথা ক্ষিপ্রকারী চ দৃঢ়হস্তশ্চ পাণ্ডবঃ। প্রমোহং পরমং গত্বা প্রৈক্ষত তং দ্রোণজং ততঃ ॥১৩১॥
স বিক্রমং হৃতং মেনে আত্মনঃ সুমহাত্মনা। তথাস্য সমরে রাজন্। বপুরাসীৎ সুদুর্দ্দৃশম্ ॥১৩২॥
দ্রৌণিপাণ্ডবয়োরেবং বর্ত্তমানে মহারণে। বর্দ্ধমানে চ রাজেন্দ্র। দ্রোণপুত্রে মহাবলে ॥১৩৩॥

ওইরবা নিংথৌ। অশ্বত্থামানা, অর্জ্জুনগী মথদা তোংহনা লৈরিবা কৃষ্ণবু উরগা হেন্না হেন্নহন্ কাপশিনবা হোরকলে ॥১২৩॥ মহারাজ! অশ্বত্থামানা কাপশিল্লকপা তেল্ মরাম্ অহনা হাই-জিল্লক্লনা মথ অমতদা তোংথিল্লরিবা কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীগী মশাবু তেন্না পূমথোম য়োম্হনখ্রে ॥১২৪॥ অদুদগী মতীক মগুণ চাউরবা অশ্বত্থামানা থৌর থৌরবা তেল চাম চামবু অমুমক কাপ্‌শিল্লক্লনা কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীমক্পু লেঙ্‌ ওৎপা অমত য়াহনখিল্লে ॥১২৫॥ মতম্ অসিদা অচচ্চত্ত পূম্বু ঙাকপিবা কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীমক্ তেন্না পূমথোম্ য়োম্খিবহ উবদা অচচ্চত্ত জীব পানবা পূম্নমক্ খোঙ্গেন খোল্লা হাহাকার লাউনখি ॥১২৬॥ "ঙসি অসি কমদোরগবা!"—অসুম্না ওাওন ওাওননা সিদ্ধচারণ পূম্নমক্ মায়ৈগে পুম্বদগী লাক্লনা থুংনরবে ॥১২৭॥ মহারাজ! কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীমক্পু তেন্না পূমথোম য়োমহনখিবা সুমিৎ অসিদা অশ্বত্থামা মরাম্দা উংথিবা মাগী তোবা ওবা, লাগী বিত্তাগী শক্তি অহুগুম অমত ঐখোয় মমাঙদা কনা অমত্তগী উখিদ্রি ॥১২৮॥ মহারাজ! মতম অদুদা য়েক্লবগী মনাকোন্দা নোংশাগী মখোলগুম্না অকিবা মিপাইবা পোক্হনবা, অশ্বত্থামাগী লীক্লংগী মখোল্লো মীপূম খুদিংগী মনাকোংদা চত্তখি ॥১২৯॥ অশ্বত্থামানা য়েৎওম থাবদনা থাবৈগে পূম্ব ওল্লুনা হংগৎ হন্দা চত্তনা কাপলক্পা মতমসিদা মাগী লীগী অহ নোংগী মরক্তা লেঙ্কনা লৈবা নোথাং মমী অমগী মতোঙুম্না উনখি ॥১৩০॥ অর্জ্জুন অসি মশামক্ য়াম্ন খুৎথুবা, খুঙ্গব চেৎপা মীশক্ অম ওইরবম্ন অশ্বত্থামাগী মাঙুগী সুমিৎকী মতো অহ উবদা তৌকম পঙ্কনা [illegible] [illegible] তৌহনা চুমিন্না লৈখি ॥১৩১॥ অদুগা মহারাজ! থোইদোক্লা কাহেম্ন [illegible] অশ্বত্থামানা অর্জ্জুন মশামকপু অম তৌরমাঙ্গে হায়না মপূক্রীলা অর্জ্জুননা চপ হুংনা থমখি। [illegible] [illegible] [illegible] অশ্বত্থামাগী [illegible] অসি [illegible] [illegible] অম [illegible] ॥১৩২॥ নিংথৌ অথোইবা।

হীয়মানে চ কৌন্তেয়ে কৃষ্ণে রোষঃ সমাবিশৎ। স রোষাচ্ছ্বসন্ রাজন্! নির্দহন্নিব চক্ষুষা ॥১৩৪॥
দ্রৌণিং শরশতৈঃ সংখ্যে ফাল্গুনঞ্চ মুহুর্মুহুঃ। ততঃ ক্রুদ্ধোঽব্রবীৎ কৃষ্ণঃ পার্থং সপ্রণয়ং তদা ॥১৩৫॥
(বিশেষকম্)

অত্যদ্ভুতমিদং পার্থ! তব পশ্যামি সংযুগে। অতিশেতে হি যত্র ত্বাং দ্রোণপুত্রোঽদ্য ভারত! ॥১৩৬॥
কচ্চিদ্বীর্য্যং যথাপূর্বং ভুজয়োর্বা বলং তব। কচ্চিত্তে গাণ্ডিবং হস্তে রথে তিষ্ঠসি চার্জ্জুন! ॥১৩৭॥
কচ্চিৎ কুশলিনৌ বাহূ মুষ্টির্বা ন ব্যশীর্য্যত। উদীর্য্যমাণং হি রণে পশ্যামি দ্রৌণিমেব চ ॥১৩৮॥
গুরুপুত্র ইতি হ্যেনং মানয়ন্ ভরতর্ষভ!। উপেক্ষাং কুরু মা পার্থ! নায়ং কাল উপেক্ষিতুম্ ॥১৩৯॥
এবমুক্তস্তু কৃষ্ণেন গৃহ্য ভল্লাংশ্চতুর্দ্দশ। ত্বরমাণস্ত্বরাকালে দ্রৌণের্ধনুরথাচ্ছিনৎ ॥১৪০॥
ধ্বজং ছত্রং পতাকাঞ্চ রথং শক্তিং গদাং তথা। জত্রুদেশে চ সুভৃশং বৎসদন্তৈরতাড়য়ৎ ॥১৪১॥ (যুগ্মকম্)
স মূর্চ্ছাং পরমাং গত্বা ধ্বজযষ্টিং সমাশ্রিতঃ। তং বিসংজ্ঞং মহারাজ! শত্রুণা ভৃশপীড়িতম্ ॥১৪২॥

অর্জ্জুনগা অশ্বত্থামাগী অনীগী লাল্লাও অসিনা মতৌস্রুমা চথরক্লবদা অর্জ্জুনদগী অশ্বত্থামামা হেল্লপ, ভৌনা লৈয়ল্লবা মতম অসিদা মাহ্রু উবদা কৃষ্ণ অসি য়াম্মা শাউরক্লে। অহনা মহারাজ! অশাউবনা নোংশা মপী ফুইনা হোন্দুনা মীওগী হাইদোরকপা তেজনা জগৎপুম্ববু চাথেক্কদবা মতাওম্ কৃষ্ণনা অশ্বত্থামাদা অমুক্, অর্জ্জুনদা অমুক্ থানা য়েংথোরক্ই। ঙহাক্ লৈরবা ভুংদা কৃষ্ণনা য়াম্মা শাউনা অর্জ্জুনদা অস্রুম্মা হায়রকই:—॥১৩৩-১৩৫॥ ভরতনন্দন! পাণ্ডুনন্দন! অর্জ্জুন! ঙসিদি অশ্বত্থামানা নংবু লাকচথিগদৌবা মতৌ অম ওইনা উরে। মাসি ঐহৌন্দা অঙকপা থৌদোক অম ওইনা থোক্লি ॥১৩৬॥ অর্জ্জুন! নংগী মহৌশাগী হকচাং অমদি পূক্লীং থম্মোয়গী পাঙল্দি ঙীকায় কায়দনা লৈরিদনকো! নথুত্ত গাণ্ডীব কৌবা লীরুংহু তেক্ত কায়দনা লৈরিকো? নংগী রথ অসিস্রু অশোয় অণ্ডাম য়াওদনা লৈরিদনা? ॥১৩৭॥ নংগী নপাম্বোম্ অনীহু থোইদোক্লা চোকথরিদনা? লীরুং চেৎনা পায়রিবা নংগী খুহ্রুম অহু কোম্খোকত্রিদনা? করিগীনো, অশ্বত্থামানা নংবু ঙসি লাকচথিগদৌরিবা? ॥১৩৮॥ "ভরতশাগৈগী অথোইবা, অকনবা! গুরুগী মচানি হায়দুনা মমায় য়েংদুনা থৌওইদনা লৈবনরা? মাহুগী মতম নত্তে হৌজিক" ॥১৩৯॥ কৃষ্ণগী য়াসি তাবদা অর্জ্জুননা য়াম্মা খুৎলৈ থুনা তা মচানশাবা তেল্ তরামম্রি অমুক্তদা তেজা থোংদুনা অশ্বত্থামাগী লীরুং, কিয়াল, ছত্র, কিয়াল্ মচা মচা, থাঙ, তা, গদা লোইনা ককথৎখি বৎসদন্ত কৌবা শমাউগী ময়াঙ্গা মচীল লোঙবা তেল্ থরনা অশ্বত্থামাগী লেংবান্দা, পাম্বোম্দা কয়া থাখি ॥১৪০-১৪১॥ মতম্ অদুদা অশ্বত্থামা অসি মূর্চ্ছা কংদুনা কিয়াল চৈথোক্লা কোন্দুনা মরু য়ুম্বা লৈখি। মহারাজ! মতম্ অসিদা দেশকাল পাত্র খঙলবা অশ্বত্থামাগী সারথিনা অশ্বত্থামানা অরিমত্ত কৌবা ওমদনা লৈখিবহু উবদা মাবু অর্জ্জুনগী মথুত্তগী কনগে হায়না থম্বুনা লান্দুক্তম্বুগী মাঙ্গ নাকল

অপোবাহ রণাৎ সূতো রক্ষমাণো ধনঞ্জয়াৎ। এতস্মিন্নেব কালে তু বিজয়ঃ শত্রুতাপনঃ ॥১৪৩॥
অহনত্তাবকং সৈন্যং শতশোঽথ সহস্রশঃ। পশ্যতস্তস্য বীরস্য তব পুত্রস্য মারিষ! ।১৪৪।
(বিশেষকম্)

এবমেব ক্ষয়ো বৃত্তস্তাবকানাং পরৈঃ সহ। ক্রূরো বিশসনো ঘোরো রাজন্! দুর্মন্ত্রিতে তব ।১৪৫।
সংশপ্তকাংশ্চ বীভৎসুঃ কুরূংশ্চাপি বৃকোদর। বসুষেণশ্চ পাঞ্চালান্ ক্ষণেন ব্যধমদ্রণে ।১৪৬।
বর্ত্তমানে তথা রৌদ্রে রাজন্! বীরবরক্ষয়ে। উত্থিতান্যগণেয়ানি কবন্ধানি সমন্ততঃ ।১৪৭।
যুধিষ্ঠিরোঽপি সংগ্রামাৎ প্রহারৈর্গাঢ়বেদনঃ। ক্রোশমাত্রমপক্রম্য তস্থৌ ভরতসত্তম। ।১৪৮।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
সঙ্কুলযুদ্ধে দ্বিচত্বারিংশোঽধ্যায়ঃ ৷০৷

অমদা থৈদোকখি। অদুদগীদি য়েঙ্গবা ওবা অর্জ্জুননা দুর্য্যোধনগী মাওমকতদা কৌরব লান্মীশিংবু অমুমুকত চাম্ চাম লিশিং লিশিংনা থুগাঁই ওইনা হাৎপা হৌরক্লে ॥১৪২-১৪৪॥ মহারাজ! মহারাজগী কুনীতি অমদি কুমন্ত্রনা অদুগী মহৈনা মহারাজগী অমদি কৌরব লান্মী পুন্নবকী মহা অমাঙবা অম ওইনা থোকখ্রবনি ॥১৪৫॥ মরমদি কন্নবা নীতিদুমকী মহৈনা অর্জ্জুননা সংশপ্তক লান্মীশিং, ভীমসেননা কৌরবশিংবু অদুগা কর্ণনা অসোমদা পাঞ্চাল লান্মীশিংবু তুম্না হাৎখিবনি ॥১৪৬॥ মহারাজ! অকিবা কংনা তমখিরবা মওংদা শিনথক্লবা মতমসিদা লালকম্ লৈমায়থক অদু কোক য়াওদবা হকচাংমকতনা পুমকুপ কুপখ্রে। লান্মী ময়ায়া নেৎপদা কোক কয়া কয়াম্ লৈন্দুংদগী চোংথোরক্লি ॥১৪৭॥ ভরত শাগৈগী অথোইবা! যুধিষ্ঠিরসু অসোমদা কর্ণগী খুৎলায়না কয় পামমন্থিবদগী হন্দোকখিদুনা লালকম্দগী মুথক অমগী লম্দা থৈদোকতুনা লৈখি ॥১৪৮॥

মসম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণ পর্ব্বদা সঙ্কুল যুদ্ধগী নিফুনিথোই ওবা অধ্যায় লোইরে॥

শ্রীমহাভারতম্

ত্রিচত্বারিংশোঽধ্যায়ঃ।

(নিক্কুহুমদোইশুবা অধ্যায়)

(অশ্বত্থামাগী বাশক্)

সঞ্জয় উবাচ।

দুর্যোধনস্ততঃ কর্ণমুপেত্য ভরতর্ষভ। অব্রবীন্মদ্ররাজঞ্চ তথৈবান্যাংশ্চ পার্থিবান্ ॥১॥

যদৃচ্ছয়ৈতৎ সংপ্রাপ্তং স্বর্গদ্বারমপাবৃতম্। সুখিনঃ ক্ষত্রিয়াঃ কর্ণ! লভন্তে যুদ্ধমীদৃশম্ ॥২॥

সদৃশৈঃ ক্ষত্রিয়ৈঃ শূরৈঃ শূরাণাং যুধ্যতাং যুধি। ইষ্টং ভবতি রাধেয়! তদিদং সমুপস্থিতম্ ॥৩॥

হত্বা বা পাণ্ডবান্ যুদ্ধে স্ফীতামুর্বীমবাপ্স্যথ। নিহতা বা পরৈর্যুদ্ধে বীরলোকমবাপ্স্যথ ॥৪॥

দুর্যোধনস্য তচ্ছ্রুত্বা বচনং ক্ষত্রিয়র্ষভাঃ। হৃষ্টা নাদানুদক্রোশন্ বাদিত্রাণি চ সর্বশঃ ॥৫॥

ততঃ প্রমুদিতে তস্মিন্ দুর্যোধনবলে তদা। হর্ষয়ংস্তাবকান্ যোধান্ দ্রৌণির্বচনমব্রবীৎ ॥৬॥

প্রত্যক্ষং সর্বসৈন্যানাং ভবতাঞ্চাপি পশ্যতাম্। ন্যস্তশস্ত্রো মম পিতা ধৃষ্টদ্যুম্নেন পাতিতঃ ॥৭॥

সঞ্জয়না হায়ঃ—ভরত শাগৈগী অথোইবা মহারাজ! অসিগী তুংদা দুর্যোধননা কর্ণগী মনাক্তা চঙশিনখিহ্ননা মদোম্দা অমদি শল্যনচিংবা নিংথৌ-লাম্নীশিংদা অস্তুম্না হায়রকই ॥১॥ ঈশ্বরগী কৃপাদগী স্বর্গ কাননবগী থোঙঅদো মতোমদা হাংদোকচরেদো। মরমদি পুণ্যচেন্নবা, মরাইবক করবা ক্ষত্রিয় মচাশিংনা অসিগুম্বা খংগুমজ্রবা তাগুলব লালঅসিবু শোন্নবা ফংজরিবনি ॥২॥ রাধানন্দন! অকনবা কর্ণ! অকনবা অমদি অসিগুম্ব লালৃকমদা কৃম্বদা মতীকচারবা ক্ষত্রিয়শিংনা মমান্নবা, হন্দবা, অকনবশিংগা থেংনহ্ননা মতম কুইনদগী তৌজরকপ আশা থুংনৈ। অচুম্বা, আশা থুংনবা, মতীকচারবা মতম অদো লাক্লেদো অকনবা। ॥৩॥ লান্দা পাণ্ডবশিংবু হত্লগা য়েন্নবভিংথং লৈতবা, প্যাক্ললাউরবা ভূখণ্ডসিগী সিংহাসন ফংবা, নত্রগা লালকমদা থত্নাই থারমহ্ননা বীরলোকতা স্বর্গদা চৎখিবা অসিতনি ॥৪॥ দুর্যোধনগী ঈচঙথৌবা, অকনবগী ৱাঙাউ অসি তাবদা কৌরবলাম্নী শূরা পুং শেলযন্ত্রশিংগী থোক্লেলগা লোয়ননা সিংহনাদ কর কর লাউনখি ॥৫॥ মতৌ অস্তুম্না দুর্যোধনগী লাম্নী পূরমক্কা হরাউতরাম্না লাউনরকলবদা অশ্বত্থামানা কৌরবলাম্নী পূরমকপু নুংঙাইহন্নুনা মরাম্দা অস্তুম্না হায়রকই:—॥৬॥ লাম্নী-নিংথৌ অকমবা! কৌরবলাম্নী পূরমকী মুমাঙদা অহুগা তিল্লরিবা অকনবশিং মথোরগী মাঙ্মক্কদা জ্রুপদগী মচা ধৃষ্টদ্যুম্ননা,

ন তেনাহং সমর্থেন নিগ্রাহ্যো চাপি পার্থিবাঃ । সত্যং স্বপ্রতিজানামি তথ্যাক্যং মে নিবোধত ॥৮॥
ধৃষ্টদ্যুম্নবধাহং ন নিবোধ্যামি সর্ব্বশঃ । অধ্রুবায়াং প্রতিজ্ঞায়াং নহি স্বর্গমবাপ্নুয়াম্ ॥৯॥
অর্জ্জুনো ভীমসেনশ্চ যশ্চ মাং প্রত্যুদেষ্যতি । সর্ব্বাংস্তান্ প্রধক্ষ্যেঽহমিতি মে নাত্র সংশয়ঃ ॥১০॥
এবমুক্তে ততঃ সর্ব্বা সহিতা ভারতী চমূঃ । অভ্যদ্রবত কৌন্তেয়াংস্তথা তে চাপি পাণ্ডবাঃ ॥১১॥

স সন্নিপাতো রথবৃষণানাং মহাত্মনাং ভারত ! মোহনীয়ঃ ।
জনক্ষয়ে কালযুগান্তকল্পঃ প্রাবর্ত্ততাগ্রে কুরুসৃঞ্জয়ানাম্ ॥১২॥
ততঃ প্রবৃত্তে যুধি সম্প্রহারে ভূতানি সর্ব্বাণি সদৈবতানি ।
আসন্ সমেতানি মহাপ্রয়োজিতি দিদৃক্ষমাণানি নরপ্রবীরান্ ॥১৩॥
দিব্যৈশ্চ মাল্যৈর্বিবিধৈশ্চ গন্ধৈর্দিব্যৈশ্চ রত্নৈর্বিবিধৈর্নরাগ্র্যান্ ।
রণে স্বকর্ম্মোদ্যতঃ প্রবীরানবাকিরন্নপ্সরসঃ প্রহৃষ্টাঃ ॥১৪॥

মথুত্তা খুৎলায় য়াওদনা, খুৎলায় থাদোক্তুনা লৈরবা ঈপাবু চোংশিন্দুনা হাৎখি ॥৭॥ অহুনা লাম্মী নিংথৌ অকনকপা। ঐনা ঈশাগী অশাউবদগী, মপাগী লমন্ শিংনবগী, অহুগা নিংথৌ দুর্য্যোধনগী কাম্নবগী, মহাক্কা নাঁউজবা মহৈ য়াম্নবগীদমক্ অকনবশিংগী মাঙদা য়াশক্লি। ময়াম্ পুক্লিংচঙনা তাবিয়ু ॥৮॥ "সত্যনা সাক্ষীওইসনু, ঐ—ধৃষ্টদ্যুম্নবু হাত্তিবমখৈ !পুনশিচুপ্প শোক্লব তারবস্থ লাল অসিদগী হল্লোই। ঐনা ঐগী য়াশক্ অসিবু থিত্ত ঙাক্পা মঙমৃদ্রেবা, অদুওইরবদি করিগুম্বা মপোক্ত স্বর্গকংবা ঙম্দবা ওইসনু।" ॥৯॥ ঐনা ঐগী য়াশক্ অসি থুংননবা হোৎনরকপদা অর্জ্জুন খঙদে, ভীমখঙদে, অকনবা অমম্ব খঙদে ; ঐগী মাঙদা লাকপমখৈ নৈহৎকনি। মাসিদা করিমত চিংনবা তৌবিগনু ॥১০॥ অশ্বত্থামাগী য়াঅসি তাবদা কৌরবলাম্মী পুম্নমক পাণ্ডবশিং তম্না কুজিল্লকই। পাণ্ডব লাম্মীশিংসু কৌরবলাম্মী মপৈরোম্‌দা কয়া কুজিল্লকই ॥১১॥ ভরতনন্দন ! মতম্ অসিদা রথশিংবু ঙাকশেন্দুনা লৈরিবা কৌরবপাণ্ডব পক্কা অনীগী লাম্মীমখৈ অমগমগ তকশিন্নখি। কৌরব লাম্মীশিংদা সৃঞ্জয় লাম্মীশিংলোমদা চঙশিনখি। অউবশিংগী মমীত্তা মুংঙাইবা অঙকপা পোক্খি। মাসিগী যুদ্ধিত্তা থেংনরিবসিগা প্রলয়গী মতম্‌গী মহাসংহারগুগা অমতনি, থেন্নবা লৈতে ॥১২॥ লাম্মীশিং অসিনা তকশিন কুজিন্নরুবা মতম্‌সিদা নোংমদোল্দা, গন্ধর্ব্বলোকতা, গন্ধর্ব্ব অপ্সরাশিংনা, সিদ্ধসাধ্যচারণশিংনা, অহুগা নোংমদোম্বকী জীবশিংনা মাগী মাগী শাদোং-বিমানদা তোংলতোংলদুনা মর্ত্ত্য লোককী অকনবশিং অসিগী লাম্লাও অসি য়েংগনবগী মপৈমপৈ থোক্লরক্লে ॥১৩॥ লাল অসি য়েংবদা পেল্লবী অপ্সরাশিংনা, লালকম্‌দা মাগী মাগী মথৌবু অকিবলৈতনা তৌরিবা অকনবশিং অপ্সরীবগত মমক্ মমকা স্বর্গগী-লাইরৈবাকী মনম্‌নুংশিরবা হৈলৈ মঙা পুজোক্

সমীরণস্তাংশ্চ নিষেব্য গন্ধান্ সিষেব সর্ব্বানপি যোধমুখ্যান্ ।
নিষেব্যমাণত্বনিলেন যোধাঃ পরস্পরস্থা ধরণীং বিপেতুঃ ॥১৫॥
সা দিব্যপুষ্পৈরবকীর্য্যমাণা সুবর্ণপুঙ্খৈশ্চ শরৈর্বিচিত্রৈঃ ।
নক্ষত্রসংঘৈরিব চিত্রিতা দ্যৌঃ ক্ষিতির্বভৌ যোধবরৈর্বিচিত্রা ॥১৬॥
ততোঽন্তরীক্ষাদপি সাধুবাদৈর্বাদিত্রঘোষৈঃ সমুদীর্য্যমাণঃ ।
জ্যাঘোষনেমিস্বননাদমিশ্রঃ সমাকুলঃ সোঽভবৎ সম্প্রহারঃ ॥১৭॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
অশ্বত্থামপ্রতিজ্ঞায়াং ত্রিচত্বারিংশোঽধ্যায়ঃ ॥০॥ *

খুজোক্ চাইথরকৃলি ॥১৪॥ ঈংলবা নুংশিৎনা লিম্বিলিম্বি শীত্তনা নুংশিরবা হৈনম্ লৈনবশিং অহুনা লাম্মীশিং অহুগী সেবা তৌরম্বি। অহুনা লাম্মীশিং অহুনা মথা খীওনখীওনা চোক্থবা লৈতনা য়েক্লবশিংবু হাৎলি। অহুগা য়েক্লবশিংগী মখুত্তা মথ্‌াই থারি ॥১৫॥ অহুগীতুংদা লাইরম্‌লেনগী হৈরাংলৈরাং খিবিক্লা মপৈমপৈ তারকৃপা, অহুগা লৈতেং পুম্বনা তিন্নবা লাম্মীশিংনা মপৈমপৈ তুনরকৃপা অসিনা, লালকম্ অহু ওম্মোকপা কজরবা শকলোন অম পুখিহনা লংলবা থম্বানমিচাক্ল থল্লবা, শরৎ ঋতুগী নোংমদোন মকোয়গুম্ খোইদোক্লা নীঙখিজখি ॥১৬॥ নোংমদোম্বকগী লাউনরকৃপা মখোম্না, স্বর্গগী পুংশেলযন্ত্রগী মখোম্না অহুগা লাইয়াম্না থাগৎনরকৃপগী খোঞ্জেলশিংসিনা লালকম্‌দা লাউনরকৃপগী লীরীখীঙবগী, চাকাগী মখোনগা অমত ওইনা তিম্মখিহনা ওম্মোক্লা কজবা, অকিবা, মিপাইবা, নুংঙাইবা, নুংশি নুংঙোল পোক্লনবা মশক্ অম পুখ্রে ॥১৭॥

মকম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদা "অশ্বত্থামাপ্রতিজ্ঞ" গী নিফুহনদোই শুবা অধ্যায় লোইরে।

শ্রীমহাভারতম্

চতুশ্চত্বারিংশোঽধ্যায়ঃ।

নিফুমরিশুবা অধ্যায়

(কর্ণপর্ব্বদা কৃষ্ণনা হায়রকপা মতাং)

——:*:——

সঞ্জয় উবাচ

এবমেব মহানাসীৎ সংগ্রামঃ পৃথিবীক্ষিতাম্।
কৃষ্ণেঽর্জ্জুনে তথা কর্ণে ভীমসেনে চ পাণ্ডবে ॥১॥

দ্রোণপুত্রং পরাজিত্য জিত্বা চান্যান্ মহারথান্। অব্রবীদর্জ্জুনো রাজন্। বাসুদেবমিদং বচঃ ॥২॥
পশ্য কৃষ্ণ। মহাবাহো। দ্রবন্তীং পাণ্ডবীং চমূম্। কর্ণঞ্চ পশ্য সংগ্রামে কালয়ন্তং মহারথান্ ॥৩॥
ন চ পশ্যামি দাশার্হ। ধর্ম্মরাজং যুধিষ্ঠিরম্। নাপি কেতুর্য্যুধাং শ্রেষ্ঠ। ধর্ম্মপুত্রস্য দৃশ্যতে ॥৪॥
ত্রিভাগশ্চাবশিষ্টোঽয়ং দিবসস্য জনার্দ্দন।। ন চ মাং ধার্ত্তরাষ্ট্রেষু কশ্চিদ্‌যুধ্যতি সংযুগে ॥৫॥
তস্মাত্বং মৎপ্রিয়ং কুর্ব্বন্ যাহি যত্র যুধিষ্ঠিরঃ। দৃষ্ট্বা কুশলিনং যুদ্ধে ধর্ম্মপুত্রং সহানুজম্ ॥৬॥
পুনর্যোত্স্যামি বার্ষ্ণেয়! শত্রুভিঃ সহ সংযুগে। ততঃ প্রায়াদ্রথেনাশু বীভৎসোর্বচনাদ্ধরিঃ ॥৭॥

সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ। পাণ্ডুনন্দন ভীম অর্জ্জুন অমুগা সূতপুত্র কর্ণ অহম্ অসিনা শাউরক্লবদা কল্লব। লাল্লাও অম অমুমা খোক্‌খ্রেদো ॥১॥ মহারাজ। অসিগী তুংদা অর্জ্জুননা অশ্বত্থামাবু অমুগা অতৈ অতোম্না মহারথীশিংবু জয়তোরব তুংদা সারথি ওইরিবা কৃষ্ণদা অমুমা হায়রকই ॥২॥ অকনবা। কৃষ্ণ। য়েংঙু, অসোমদা পাণ্ডব লান্মীশিংসে চেন্নরি, অমুগা কর্ণনা ঐখোয়গী লান্মীশিংবু শাথিনা নৈথাইরি ॥৩॥ দাশার্হবংসদা পোকপা, অকনবা। মাধব। য়াম্বু মহারাজ ধর্ম্মরাজবুসু উদে। কিয়াল রথনচিংবা কল্লিমত উব কংথিদ্রে ॥৪॥ জনার্দ্দন। হৌজিক নুংথিলগী অহুম্‌শুবা শরুবৃতা মতামরে। অমুগা ধৃতরাষ্ট্রগী মচাশিং কনা অমত্তনা ঐগী মাঙদা লাকথিদ্রে। ঐগা শোক্ননীঙদ্রে ॥৫॥ "অমুনা ঐগী অকবা থবকপু তৌবিগে থল্লবদি য়াম্বুং যুধিষ্ঠিরনা নৈব মকমন্থুদা ঐবু পুশিল্লু। বৃষ্ণিনন্দন। ঈনাওশিংগা লোয়ননা ধর্ম্মরাজ কয়িস্নতোদনা মঙ্গলওইনা লৈরম্নবদি, ঐ য়েক্কবশিংগা অমুক শোক্লগে।" অর্জ্জুনগী, হাসি ভাবদা, যুধিষ্ঠিরনা মাগী খোঙলোয়শিংগা অমুগা নোম্বকল্লবা ....শিংগা লোয়ননা, লালকম্‌শিদসু অমানখুতম্ কংননবগী স্বর্গকাননবগী অমত ওইবা

যতো যুধিষ্ঠিরো রাজ স্বস্থরাশ্চ মহারথাঃ। অনুভূয় মহদ্দুঃখং মৃত্যুং কৃত্বা নিবর্ত্তনম্ ॥৮॥
(বিশেষকম্)

ততঃ সংগ্রামভূমিং তাং বর্ত্তমানে জনক্ষয়ে। অবেক্ষমাণো গোবিন্দঃ সব্যসাচিনমব্রবীৎ ॥৯॥
পশ্য পার্থ। মহারৌদ্রে বর্ত্ততে ভারত ক্ষয়ঃ। পৃথিব্যাং ক্ষত্রিয়াণাং বৈ দুর্য্যোধনকৃতে মহান্ ॥১০॥
পশ্য ভারত। চাপানি রুক্মপৃষ্ঠানি ধন্বিনাম্। মহতামপবিদ্ধানি কলাপাংশ্চ মহাধনান্ ॥১১॥
জাতরূপময়ৈঃ পুঙ্খৈঃ শরাংশ্চানতপর্ব্বণঃ। তৈলধৌতাংশ্চ নারাচান্ নির্ম্মুক্তান্ পন্নগানিব ॥১২॥
হস্তিদন্তৎসরূন্ খড়্গান্ জাতরূপপরিষ্কৃতান্। চর্ম্মাণি চাপবিদ্ধানি রুক্মগর্ভাণি ভারত! ॥১৩॥
সুবর্ণবিকৃতান্ প্রাসান্ শক্তীঃ কনকভূষণাঃ। জাম্বুনদময়ৈঃ পট্টৈর্বদ্ধাশ্চ বিপুলাঃ গদাঃ ॥১৪॥
জাতরূপময়ীশ্চষ্টীঃ পট্টিশান্ হেমভূষিতান্। দণ্ডৈঃ কনকচিত্রৈশ্চ বিপ্রবিদ্ধান্ পরশ্বধান্ ॥১৫॥
(কুলকম্)

অয়ঃকুশাংশ্চ পতিতান্ মুষলানি গুরূণি চ। শতঘ্নীঃ পশ্য চিত্রাশ্চ বিপুলান্ পরিঘাংস্তথা।
চক্রাণি চাপবিদ্ধানি তোমরাংশ্চ মহারণে ॥১৬॥
নানাবিধানি শস্ত্রাণি প্রগৃহ্য জয়গৃদ্ধিনঃ। জীবন্ত ইব দৃশ্যন্তে গতসত্ত্বাস্তরস্বিনঃ ॥১৭॥

লৈবীনি হায়না থম্মুনা য়েক্কবশিংগা য়াম কয় থেংনরম অহনবা। মকমদা কৃষ্ণনা মথক্তু থুনায়াওনা থোক্তিলকই ॥৮॥ মীনা মহামারীদোনা শিনথ্রবদা অহংগা লাল্লাও অহনা অহম্বা চথরকুলবদা, লানকম্ অহবু উৎমা কৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা হায়রকই ॥৯॥ ভরতনন্দন! অর্জ্জুন! য়েংউ নং অমুক্তা! দুর্য্যোধন অমতগী দমক্তা, মা মথন্তগী হাক্তকগী পৃথিবীগী ক্ষত্রিয়পুম্ব অকিবকংনা মাঙনতাক্কবগী থোদোক অসি থোকক্নে ॥১০॥ ভরতনন্দন! অর্জ্জুন! য়েংউ। শীথ্রবা লৌরুং পান্নবা অকনবশিংগী সনা মণি মুক্তা হংলবা লৌরুং, মমল য়াম য়ান্নবা তেন্দোং, সনামপাক্ মপান্না তেন্না তেম্নেপানবা তেন, মকুহনবা অংলবা লিলগী মতৌগুরবা, থাওনা শৃংনান্না তৈরবা তেলমথৈ, শামু মরানা মথোক্ পানবা, মরকুমমক্ত সনানা হাজং য়্রেরবা থাঙপাং, সনানা মমায়দ হংলবা চুঙ্গোয়, সনানা লৈতেংলবা তা, হয়তা, সনন্নাম্নকিনা পুময়েং য়েৎলবা গদা, সনাগী চৈতুপ, সনানা মথোক্পানবা শীজং অসিনচিংবা থুংলায় কয়াকয়া মশীং লাকওমদনা তায়ি ॥১১-১৫॥ অমুকম্ য়েংউ। য়োংবী উতোংপানবা থুংলায়, চাউরবা লুমূলব য়োচ্ছ্রুক্, মেকুপোংলবা অমুয়ুক য়েরবা চামচাবা হাংওয়া তানি জাংজাং, য়োচ্ছুক্ -নুংতক্, চক্র, থাঙপাক্ অসিনচিংবা অকিবগী মথক্ কংলবা থুংলায় জাংজাং কয়ানা লালকমসিদা পায়বিনবা য়াওদনা, মপুপান্বনা তা-তা-লৈরি ॥১৬॥ কারণা, য়েরবু লা তৌপমি হায়না কয় আশা তৌরবা কয়াকয়া য়েরবগী মথুত মথাই কায়না তা-তা লৈরি। কনা কনাবনা শিবা কাওবা মথুতা পাইরবা থুংলাইসে থাদোকপি। কনা কনাবনি থিনি শিজলবৌনা লৈবা

প্রাসাসিশক্তিঋষ্টিভির্মুদ্গরৈর্ভিন্দিপালকান্ ।　গদাঃ পরিঘমুদ্গরান্ পশ্য রোষাৎ সমরে ॥১৮
মহাবীরানশ্বারোহান্ শরবৃষ্টিপরিঘৈঃ ।　নিস্ত্রিংশৈঃ পট্টিশৈঃ প্রাসৈরয়ঃকুন্তৈঃ পরশ্বধৈঃ ॥১৯
শরীরৈর্বহুভিশ্ছিন্নৈঃ শোণিতৌঘপরিপ্লুতৈঃ ।　গতাসুভিরমিত্রঘ্ন ! সংবৃতা রণভূময়ঃ ॥২০ (যুগ্মকম্)
বাহুভিশ্চন্দনাদিগ্ধৈঃ সাঙ্গদৈঃ শুভভূষিতৈঃ ।　সতলত্রৈঃ সকেয়ূরৈর্ভাতি ভারত ! মেদিনী ॥২১
সাঙ্গুলিত্রৈর্ভুজাগ্রৈশ্চ বিপ্রবিদ্ধৈরলঙ্কৃতৈঃ ।　হস্তিহস্তোপমৈশ্ছিন্নৈরূরুভিশ্চ তরস্বিনাম্ ॥২২
বদ্ধচূড়ামণিবরৈঃ শিরোভিশ্চ সকুণ্ডলৈঃ ।　পতিতৈর্বৃষভাক্ষাণাং বিরাজতি বসুন্ধরা ॥২৩
(কুলকম্)
কবন্ধৈঃ শোণিতাদিগ্ধৈশ্ছিন্নগাত্রশিরোধরৈঃ ।　ভূর্ভাতি ভরতশ্রেষ্ঠ ! শান্তার্চিভিরিবাগ্নিভিঃ ॥২৪
রথাংশ্চ বহুধা ভগ্নান্ হেমকিঙ্কিণিনঃ শুভান্ ।　বাজিনশ্চ হতান্ পশ্য বিনিকীর্ণান্ শরাহতান্ ॥২৫

ক্রক ক্রক চীক্‌না শাউনা শাউনা শিরি ॥১৭॥ অর্জ্জুন ! কনা কনাগুম্বা লাম্বাগী মপা অসে গদানা ফুবগী ঈপোপ পোপ্পা, কাম্থত্‌না তারি । কনা কনাগুম্বগী লাম্বীগী মকোক্কা য়েচ্ছুকা ফুবগী মচেৎ মচেৎ থোক্কা কায়হুনা তারি । কনা কনাগুম্বগী তোঙাল তোঙাল তারবা মথোঙ মথুৎশিং অসি শগোল শামু রথগী চাকানা নেৎখাইহুনা ঈগী লৈথোম্ অসিদা নম্‌শিন্দুনা লৈরি । ॥১৮॥ য়েক্লবা গুম্বা অর্জ্জুন ! লালকম্ অসে, হৌজিক থাঙ-তা তেল য়েচ্ছুক, পুংশূল্, পদা, হুমতা, থিম্নতা, য়েৎকী উতোং, শীজং থুৎলায়শিংনা থাবদা থিনবদা য়ানশিনবদা শিপ্রবশিং অসিগী মপাশিংনা বিকায় তোঙাল তোঙানবদা থুরক হাঙদনা পূম্‌কুপ কুপথ্রে ॥১৯-২০॥ ভরতনন্দন ! অর্জ্জুন ! চন্দন মথল মথল্লা মনম্ পুংশিনা তৈরবা, খুজী তায়চিংবনা লৈতেংলবা সনাগী লৈতেংনা থল্লবা, কজ কজরবা খুথাঙ হাপ্পা পাম্বোমশিং অসিনা লালকম্ অসিদা মরোল মরোল লোয়না তাহুনা লালকম্ অসিগী লৈতেং অমগুম্বা থোকথ্রে ॥২১॥ কল্লবা, শম্লাবগী মশিংকী মতৌগুম্বা মথীৎ কোইরাওনরবা, লাম্বীশিংগী খুথাঙ, খুদোল থোঙপা লোয়নরব পাম্বোমশিং, শামুনাতোল মাল্লবা চাউরবা তুম্নবা কৈগল, চূড়ামণি থেৎলবা কোয়েৎ লুহুপ্পা লৈতেংলবা, কুণ্ডল নাইরা তগুপ তথেং হাইরবা কোক্ মরাম্ অসিনা, লালকম্ অসিগী হায়নীগুম্বাই লৈতনা কল্লবা শকুকম্ অমা ওইথ্রে ॥২২-২৩॥ ভরত শাগৈগী অথোইবা অর্জ্জুন ! মৈরী মৈখু য়াওত্রবা মৈগী মতৌগুম ঈনা পুমথাঙ ভাঙলরা, কোক্ পাম্বোম্ য়াওদ্রবা হকচাং মপৈ অসিনথু লালকম্ অসিগী কল্লবা মতৌ অম ওইথ্রে ॥২৪॥ অর্জ্জুন য়েংঙু ! সনমীক্ পথেং পথেং য়ায়বা, কয় কয়রবা রথ কয়া কয়ামা লৌবা য়াদনা তেক্‌না তারি । শগোলশিংনা মকোক্কা কুনায়দা, মমৈনা কুনায়দা যকম্ থঙদনা তা তা লৈরি । কবাক্ থাঙগী কয়কয়রবা মপুম্, তেজোং, ফিবাল, ফিরাল মচা মথল মথল মরীশিংগা থোংনবা তাঙির চাউবা তৌমল থোইবং কাঙহাই চায়ম, কয়া কয়ামা মৈগী

অনুকর্ষানুপাসঙ্গান্ পতাকা বিবিধধ্বজান্ । রথিনাঞ্চ মহাশঙ্খান্ পাণ্ডরাংশ্চ প্রকীর্ণকান্ ॥২৬॥

নিরস্তজিহ্বান্ মাতঙ্গান্ শয়ানান্ পর্বতোপমান্ । বৈজয়ন্তীবিচিত্রাংশ্চ হতাংশ্চ গজবাজিনঃ ॥২৭॥

চ বরণানাং পরিস্তোমাংস্তথৈবাজিনকম্বলান্ । বিপাটিতবিচিত্রাংশ্চ চিত্ররূপাঃ কুথাস্তথা ॥২৮॥

ভিন্নাশ্চ বহুধা ঘণ্টা মহদ্ভিঃ পতিতৈর্গজৈঃ । বৈদূর্য্যদণ্ডাংশ্চ শুভান্ পতিতানঙ্কুশান্ ভুবি ॥২৯॥

বদ্ধাঃ সাদিভুজাগ্রেষু সুবর্ণ বিকৃতাঃ কশাঃ । বিচিত্রমণিচিত্রাংশ্চ জাতরূপপরিষ্কৃতান্ ॥৩০॥

অশ্বাস্তরপরিস্তোমান্ রাঙ্কবান্ পতিতান্ ভুবি । চূড়ামণীন্ নরেন্দ্রাণাং বিচিত্রাঃ কাঞ্চনস্রজঃ ॥৩১॥

ছত্রাণি চাপবিদ্ধানি চামরব্যজনানি চ । চন্দ্রনক্ষত্রভাসৈশ্চ বদনৈশ্চারুকুণ্ডলৈঃ ॥৩২॥

(কুলকম্)

ক্৯প্তশ্মশ্রুভিরত্যর্থং বীরাণাং সমলঙ্কৃতৈঃ । বদনৈঃ পশ্য সংছন্নাং মহীং শোণিতকর্দ্দমাম্ ॥৩৩॥

সজীবাংশ্চাপরান্ পশ্য কূজমানান্ সমন্ততঃ । উপাস্যমানান্ বহুশো ন্যস্তশস্ত্রৈর্বিশাংপতে । ॥৩৪॥

জ্ঞাতিভি সহিতাংস্তত্র রোদমানৈঃ পুনঃ পুনঃ । ব্যুৎক্রান্তানপরান্ যোধাংশ্ছাদয়িত্বা তরস্বিনঃ ॥৩৫॥

লৈখোম্ ময়ক অসিদা তারি। মকম্ মকমদা, চীঙচুম্ অমমম্‌গুম্ চাউরবা শামুশি না মথৈ মনাতোল য়াওদনা চোম্‌লপ্ চোমলপ্ তারি। শগোল্ শামুশিংগী মথক্ত মনজন্দ কূপ্লম মমল য়াম্ল য়াম্লবা কীজিন্ কজ কজনা হাপ্লবা রেশম্‌গী ফিদা-ইন্নফি কয়া কায়না ঈরক্ অসিদা নপশিন্ নপশিন্দুনা তারি। চাউর চাউরবা শামুনা মগুকশম্‌দা শিরম্বা শরীক্ কয়া কয়ান মচেৎ মচেৎ থোক্লা কায় কায়দুনা তারি। বৈদূর্য্য শোবা মণিনা খুৎ পায়কমদা হৎলবা কজকজরবা থোম্ববা শামুকাতী কয়া কয়ান য়ুং য়ুংদুনা লৈমায়থক্ অসিদা লৈরি। অতোংবা থোরম্বা সারথি মাউৎশি না পায়রম্বা খুৎপায়কম্ সনারুপ্প শাজৈ কয়া কয়ানা তাদুনা লৈরি। শজী জাং জাংকী মউম্না শাবা শগোলগী মনমদা শাবন্থাঙ্ ওইনা কূপ্লম্বা ফিদা কয়া কয়া তারি। লাম্মী নিংথৌশিংনা শিরম্বা থেৎলম্বা কোকী মণি কয়া কয়ানা অদুগা কজকজরবা সনরীক্, কাওহাঈ চামরনা নাক্ য়েন্তা থৌগনবা, মণি মুক্তাগী নাইম্না চাই হুম্বা অদুগা সুমিৎ থা থরানমিচাক্‌য়া লংলবা মায়থোং পূম্বা কোক্ কয়া কয়ানা থুরক্ চাওদনা তারি ॥২৫-৩২॥ অর্জ্জুন। য়েংঙ্। মকোয় মরাং চোম্লবা, অকনবশিংগী কোকশিং অসিনা ঈনা পীৎ পীৎ লাউনা লৈথোম্ থোক্লবা লালকম্ অসিদা ফুম্ ফুমদুনা লৈরি ॥৩৩॥ অর্জ্জুন। য়েংঙ্। অকনবা কনা কনাগুম্বদি ঈ ময়ক্ অসিদা মশা তংথাই তংথাই কুমজিন্দুনা শিবমক্তি শিদনা মরোল লৌকয় খঙনা কাও শকপা অ্‌ম অ্‌ম শোনবগী য়াওরি। অদুগা আদু, য়েংঙ্। শাদৈ নাৎতে মরূপ মপাংশিংনা মাগী মাগী থূংলায় থাকোক্‌না লায়কমদুনা কপ লাউদুনা। ইকোয় কোয়শিন্না লেবা তৌদুনা লৈবা লাম্মী কয়াদু

পুনর্দ্বারং গচ্ছন্তি জয়গৃধ্নাঃ প্রবঙ্গবঃ । অপরে তত্র তত্রৈব পরিধাবন্তি মানবাঃ ॥৩৬॥

(বিশেষকম্)

ভ্রান্তিভিঃ পতিতৈঃ শূরৈর্যাচ্যমানাস্তথোদকম্ । অন্যার্থঞ্চ গতাঃ কেচিন্নিপ্রপা বহবোঽর্জ্জুন ।। ॥৩৭॥

সলিলস্তাশ্চ তে শূরাস্তান বৈ দৃষ্ট্বা বিচেতসঃ । জলং ত্যক্ত্বা প্রধাবন্তি ক্রোশমানাঃ পরস্পরম্ ॥৩৮॥

জলং পীত্বা মৃতান্ পশ্য পিবতোঽন্যাংশ্চ ভারত ।। পরিত্যজ্য প্রিয়ানন্যে বান্ধবান্ বান্ধবপ্রিয়াঃ ॥৩৯॥

ব্যুৎক্রান্তাঃ সমদৃশ্যন্ত তত্র তত্র মহারণে । তথাপরান নরশ্রেষ্ঠ । সন্দষ্টৌষ্ঠপুটান পুনঃ ॥৪০॥

ভ্রুকুটীকুটিলৈর্বক্ত্রৈঃ প্রেক্ষমাণান সমন্ততঃ । এবং ব্রুবংস্তদা কৃষ্ণো যযৌ যত্র যুধিষ্ঠিরঃ ॥৪১॥

(বিশেষকম্)

অর্জ্জুনশ্চাপি নৃপতের্দর্শনার্থং মহারণে । যাহি যাহীতি গোবিন্দং পুনঃ পুনরচোদয়ৎ ॥৪২॥

তাং যুদ্ধভূমিং পার্থস্য দর্শয়িত্বা চ মাধবঃ । ত্বরমাণস্ততঃ কৃষ্ণঃ পার্থমাহ শনৈরিদম্ ॥৪৩॥

পশ্য পাণ্ডব ! রাজানমুপযাতাংশ্চ পার্থিবান । কর্ণং পশ্য মহারঙ্গে জ্বলন্তমিব পাবকম্ ॥৪৪॥

লৈরি। শিগ্রিবা মরূপতু উরগা হাৎগ্রিবা মচামশূদ্ধ উরগা, মরীল লৈবা লাম্মী কয়া কয়ানা মখোয়না লায়কয়রম্বা অনাবহু খোক্ হুন্দোক্রমহুনা, ময়া ক্রক ক্রক চীক্ত্না খুৎলায় পায়থৎ পায়থৎতুনা য়েক্লবয়োমদা ফুজিন্নরি, মায়গৈ মায়গৈদা হাইদোক্লখি ॥৩৪-৩৬॥ অর্জ্জুন! মরূপ মপাং শাগৈ নাতৈ খোকপা কয়া কয়ানা "ঈশিং, ঈশিং" হায়না লাউরকপদা মাগী মরূপ তুনা ঈশিং থিনা শোকপা চৎপ্রিত্তৈদা মথ্বাই থাবা কয়া কয়াস্ত য়াওরি ॥৩৭॥ ঈশিং শোকউবশিং অসিনা হল্লকপদা শিবনা হাল্লম্বা মরূপতুগ উবদা, ঈশিং অহু খোক হৈদোক্রমহুনা, কপ্পরাবা নংঙমদনা য়েক্লবয়োমদা হোক্চিন্নখি ॥৩৮॥ ভরতনন্দন! অর্জ্জুন! অমুকস্থ য়েংঙু! কনা কনাগুম্বা লাম্মীনা ঈশিং থকপা লোইবগা মথ্বাই থারি। কনা কনাগুম্বা থকপদি হোৎরগা থকপন্থ লোইরবদনা শিবনা হানবা য়াওরি। মরূপ মপাং মুংশিনরবা কয়া কয়াস্থ হয়া য়েংঙমদনা খুদক খুৎক্তা লাম্মী কয়া কয়ানা মথ্বাই থারি। কনা কনাগুম্বা অকনবা লাম্মীশিংনা ঈ মরক অসিদা লেঙ্বা ঙৎপদি ঙমদনা মমীৎ শূকতোক্ত্না, পীশূম্ খেৎকত্তুনা অশাউবগা লোয়ননা মাগী য়েক্লবয়োমদা গুহাক গুহাক থানা য়েংলরগা মথ্বাই থাগ্রি।" অসুম্ হায়না তাঙল তাঙলহুনা কৃষ্ণনা অর্জ্জুনবু যুধিষ্ঠিরনা লৈরিবা মফম অচ তায়া পূশিনখি ॥৩৯—৪১॥ অর্জ্জুনস্থ যুধিষ্ঠিরবু উনিংমনগ্রহুনা "থুনা থৌ থৌ" হায়না সারথি কৃষ্ণদা হায়রকই ॥৪২॥ মতৌ অগ্নয়া কৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা মতৌ অহু উৎ উৎতুনা রথ থৌনা থৌনা অর্জ্জুনদা অসুমা অমুক হায়রকঈঃ—॥৪৩॥ কুরুনন্দন, অর্জ্জুন! য়েংঙু আদা নরাখুং ধর্ম্মরাজ আসে লৈরে।' নিংথৌ লাম্মী অরাবন নরাখুংশী নাক লৈরে। অহুগা মখোয়দা অমুক য়েংউ। কর্ণ হায়বা অসিনা পাণ্ডব লাম্মী মমাং লৈহুনা হংগৎ হন্বা

অসৌ ভীমো মহেষ্বাসঃ সংবৃতো রণং প্রতি। তবৈতে বিনিবর্ত্তন্তে ধৃষ্টদ্যুম্নপুরোগমাঃ।
কৌরবান্ দ্রবতো বেষ কর্ণো বারয়তেহর্জ্জুন। ॥৪৫॥

নিস্তৃংশশ্চ পুনঃ পার্থৈর্জ্জিনঃ শত্রুবলং মহৎ। কৌরবান্ দ্রবতো বেষ কর্ণো বারয়তেহর্জ্জুন। ॥৪৬॥
অন্তকপ্রতিমো বেগে শক্রতুল্যপরাক্রমঃ। অসৌ গচ্ছতি কৌরব্য। দ্রৌণিঃ শস্ত্রভৃতাং বরঃ ॥৪৭॥
তমেব প্রদ্রুতং সংখ্যে ধৃষ্টদ্যুম্নো মহারথঃ। অনুপ্রয়াতি সংগ্রামে হতান্ পশ্য চ সৃঞ্জয়ান্ ॥৪৮॥
সর্বমাচষ্ট দুর্দ্ধর্ষো বাসুদেবঃ কিরীটিনে। ততো রাজন্। প্রাদুরাসীন্মহাঘোরো মহারণঃ ॥৪৯॥
সিংহনাদরবাশ্চৈব প্রাদুরাসন্ সমাগমে। উভয়োঃ সেনয়ো রাজন্। মৃত্যুং কৃত্বা নিবর্ত্তনম্ ॥৫০॥
অন্যোন্যং সময়ো বৃত্তঃ পৃথিব্যাং পৃথিবীপতে।। তাবকানাং পরেষাঞ্চ রাজন্। দুর্মন্ত্রিতে তব ॥৫১॥

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
কৃষ্ণবাক্যে চতুশ্চত্বারিংশোঽধ্যায় ॥০॥ *

——:-*-:——

চৎভুনা লৈরি ॥৪৪॥ অকনবা ভীমসেনস্তু লাল্লোমদা মমায় ওনশিল্লি। পাণ্ডব লাম্মীশিং, পাঞ্চাল সৃঞ্জয় লাম্মীশিং মক মক ওইবা অকনবা কয়াস্তু, অহুগা ধৃষ্টদ্যুম্নস্তু ভীমসেননা চঙশিল্লিবা অসোমদা ইল্লক্রি ॥৪৫॥ অর্জ্জুন পাণ্ডব পক্ষগী ঐখোয়গী অকনবা লাম্মীশিংনা য়েক্কবা কৌরব লাম্মীশিংবু নৈব হোৎনরি। কৌরব লাম্মীশিংনা কায়ত্তুনা চেন্নরিবা আসে কর্ণনা অমুক খাম্‌জন্দুনা লাল্লোমদা মমায় ওনশিলহল্লকলি ॥৪৬॥ কৌরবনন্দন। কুরু শাগৈদা পোকপা। য়েংউ অসোমদা শাফুদা যমরাজগা মান্নবা মপাঙ্গল মথৌনাদ ইন্দ্রগা মান্নবা, খুৎলায় পায়বাশিংগী মতুংদা অথোইবা অশ্বত্থামা অসিস্তু অমুক চঙশিল্লক্রি ॥৪৭॥ "মহারাজ চঙশিল্লকপসিদা ধৃষ্টদ্যুম্নস্তু মাতোল্লোমদা চঙশিল্লক্রি। অর্জ্জুন। য়েংউ। সৃঞ্জয় লাম্মীশিং আসে মপৈ মপৈ লৈমায়থক্ত হাইথুনরক্রি ॥৪৮॥ মহারাজ। মতৌ অসুম্না কৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা ভাঙন ভাঙনা রথ থৌজিল্লক্রি। অহুগী তুংদা অকিবগী মশক ওইরবা লাল্লাও অমুক হোৎপ্রে। ॥৪৯॥ মহারাজ লালদা শিথিবতনা পোখাবা ওইরনি হায়না খল্লরবা পক্ষ অনীগী লাম্মীশিংনা সিংহনাদ লাউনরক্রি ॥৫০॥ মহারাজ। মহারাজগী কল্লবা নীতিদগী পক্ষ অনীমকী অকনবশিংনা মথৎাই থানরক্রি ॥৫১॥

মকম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোক্ লিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদা কর্ণপর্ব্বদ "কৃষ্ণ বাক্য" গী মীতুম্মরি শুবা অধ্যায় লোইরে ॥

————

শ্রীমহাভারতম্

পঞ্চচত্বারিংশোঽধ্যায়ঃ ।

নাফুমঙাশুবা অধ্যায়ঃ

অশ্বথামা হন্দোকাখিবা

সঞ্জয় উবাচ ।

ততঃ পুনঃ সমাজগ্মুরভীতাঃ কুরুসৃঞ্জয়াঃ । যুধিষ্ঠিরমুখাঃ পার্থাঃ সূতপুত্রমুখা বয়ম্ ।১।

ততঃ প্রববৃতে ভীমঃ সংগ্রামো লোমহর্ষণঃ । কর্ণস্য পাণ্ডবানাঞ্চ যমরাষ্ট্রবিবর্দ্ধনঃ ।২।

তস্মিন্ প্রবৃত্তে সংগ্রামে তুমুলে শোণিতোদকে । সংশপ্তকেষু শূরেষু কিঞ্চিচ্ছিষ্টেষু ভারত । ।৩।

ধৃষ্টদ্যুম্নো মহারাজ । সহিতঃ সর্বরাজভিঃ । কর্ণমেবাভিদুদ্রাব পাণ্ডবাশ্চ মহারথাঃ ।৪।

(যুগ্মকম্)

আগচ্ছমানাংস্তান্ সংখ্যে প্রহৃষ্টান্ বিজয়ৈষিণঃ । দধারৈকো রণে কর্ণো জলৌঘানিব পর্বতঃ ।৫।

সমাসাদ্য তু তে কর্ণং ব্যশীর্য্যন্ত মহারথাঃ । যথাচলং সমাসাদ্য বার্য্যোঘাঃ সর্বতোদিশম্ ।৬।

তয়োরাসীন্মহারাজ ! সংগ্রামো লোমহর্ষণঃ । ধৃষ্টদ্যুম্নস্তু রাধেয়ং শরেণানতপর্বণা ।৭।

সঞ্জয়না হায়ঃ—মহারাজ । অসিগী তুংদা কৌরব পণ্ডব পক্ষ অনীগী লান্মীশিংনা অকিবা নীঙঙায়বা লৈতনা অমুক্ থেংনবা হৌগ্রে । মতম্ অসিদা যুধিষ্ঠিরনচিংবা পাণ্ডব পক্ষগী লান্মীশিংগা কর্ণনচিংবা কৌরব পক্ষগী অকন্ববশিংগা কন্না থেংনগ্রে ॥১॥ অদুগী তুংদা কর্ণগা পাণ্ডবশিংগা অকিবা তুজুংবা পোক্না, যমারাজগী প্রজামশীং হেনগৎননবগী মশক্ ওইনা শোক্নবা হৌগ্রে ॥২॥ ভরতনন্দন ! মহারাজ ! অকিবগী মশক কংলবা তমাথিরবা লাল্ অসিনা হৌগ্রবদা ফুরেল ঈশিং চেম্বঙমা ঈগী ঈচেল মথং মথং চেম্ববা হৌগ্রে । সংশপ্তক লান্মীশিং অসি লোইশিন্থিদোবা খজিক্ত মঙ রগ্রে । মতম অসিদা ধৃষ্টদ্যুম্ন অমদি মহারথী পাণ্ডবশিংনা কর্ণ তন্না খুজিন্নকলে ॥৩-৪॥ জলগী আশা কন্না তৌদুনা লাম্ শুংঙাইনা মখোয় অসিনা কন্না চেঙ্গিনরকলবদা ঈশিং ঈচেল মরাম্বু চৌঙজাও অমনা ঙাকথোক্পা হেন্দোকহন্দবহুঙমা কর্ণ মথন্তনা মরাদ্ অসিগী মায়োক্ লাথি ॥৫॥ চেঙ্গিল্লকলিবা ঈশিং ঈচেল মরামা চৌঙখোঙদা ফুজিন্বা মতম্দা অমুক হন্দোক থকথোক্লক্না মায়ৈগে মায়ৈগেদ। পুমচাই চাইথোক্না চেনখিবা হাইদোকখিবহুঙমা পাণ্ডব লান্মীশিং অসি মায়ৈগে মরি কাংনা পুমচাই পুমচাই চাইথোক্লখি ॥৬॥ মহারাজ ! মতম অসিদা কর্ণগা ধৃষ্টদ্যুম্নগা অনীমা তুংম্না পোক্না শোক্লখি । ধৃষ্টদ্যুম্ননা থৌরবা তেন অমনা কর্ণদা কন্না থাখি ।

তাড়য়ামাস সমরে তিষ্ঠ তিষ্ঠেতি চাব্রবীৎ। [illegible] বিধুন্বানো মহারথঃ ॥৮॥
পার্থস্য ধনুশ্ছিত্ত্বা শরাংশ্চাশীবিষোপমান্। তাড়য়ামাস সংক্রুদ্ধঃ পার্থতং নবভিঃ শরৈঃ ॥৯॥
(বিশেষকম্)

তে বর্ম হেমবিকৃতং ভিত্ত্বা তস্য মহাত্মনঃ। শোণিতাক্তা ব্যরাজন্ত শক্রগোপা ইবানঘ! ॥১০॥
তদপাস্য ধনুশ্ছিন্নং ধৃষ্টদ্যুম্নো মহারথঃ। অন্যৎ কার্মুকমাদায় শরাংশ্চাশীবিষোপমান্ ॥১১॥
কর্ণং বিব্যাধ সপ্তত্যা শরৈঃ সন্নতপর্বভিঃ। তথৈব রাজন্! কর্ণোঽপি পার্থতং শত্রুতাপনম্ ॥১২॥
ছাদয়ামাস সমরে শরৈরাশীবিষোপমৈঃ। দ্রোণশত্রুর্মহেষ্বাসো বিব্যাধ নিশিতৈঃ শরৈঃ ॥১৩॥
(বিশেষকম্)

তস্য কর্ণো মহারাজ! শরং কনকভূষণম্। প্রেষয়ামাস সংক্রুদ্ধো মৃত্যুদণ্ডমিবাপরম্ ॥১৪॥
তমাপতন্তং সহসা ঘোররূপং বিশাংপতে!। চিচ্ছেদ সপ্তধা রাজন্! শৈনেয়ঃ কৃতহস্তবৎ ॥১৫॥
দৃষ্ট্বা বিনিহতং বাণং শরৈঃ কর্ণো বিশাংপতে!। সাত্যকিং শরবর্ষেণ সমন্তাৎ পর্যবারয়ৎ ॥১৬॥

"নং ভূসি খাওজ়" হায়না লাউরু লাউরদুনা কর্ণদা মনম মনম কাপশিল্লকই। অদুদগী কর্ণ অসি খোইদোক্লা শাউখিদুনা বিজয় কৌবা মাগী লীকং অদু খুদুম চেৎনা পায়দুনা ধৃষ্টদ্যুম্নগী লীকংগা লীরীগুদা, তেন্দগ খোংদুনা লৈরিবা, লিলগুবা তেপ অদুগা খুনক ককখৎলগা খৌরবা তেপ্ মাপন্না ধৃষ্টদ্যুম্নদা কন্না থাখি ॥৭-৯॥ পাপ মাওজরবা মহারাজ! তেল মাপল অদুনা পাইশিনখিদুনা মরিল লৈরবা ধৃষ্টদ্যুম্নগী সনাহৎলবা খারবা লাল্ কুরিৎ অদু খিনপাইদুনা মাগী হকচাংদা থুন্না চণ্ডখি। মতম্ অদুদা তেপশিং অসি ঈনা পুমতৈতেদুনা অমমন্না শরুক খজিক খজিকং হকচাংদগী লীখোকতুনা অশংমন্না ঙাওলবা লাইংগোল (ভীল) অমমগী মতৌঙম উখি ॥১০॥ মহারাজ! মহারথী ওইরবা ধৃষ্টদ্যুম্ননা অত্তেকপা লীকং অদু লংখোকশ্রগা, অতোম্না লীকং অম পায়খত্তুনা খুংলৈথুনা লীরী হাপ্লগা খৌরবা তেল হুস্কুতমানা কর্ণদা কন্না থাখি। কর্ণসু লিলগী মতৌঙন্না মদু কল্লবা তেপ মাপন্না ধৃষ্টদ্যুম্নগী মশাপুম্বা পুম্বক্প কূপশিলহন্থি। অদুদগী অমুক মহাধনুর্দ্ধারী ধৃষ্টদ্যুম্ননহ খৌর খৌরবা তেন্না কর্ণদা হুন্না হুন্না অকনবা চৈনা শীখি ॥১১-১৩॥ মহারাজ! অদুগী তুংদা কর্ণ অসি খোইদোক্লা শাউখিদুনা ধৃষ্টদ্যুম্নগী মথক্তা খবদত্তনা মাইথা অকিবগী মশক কংলবা, সনাহৎলবা খৌরবা তেল অম কাপশিল্লকই ॥১৪॥ মহারাজ! অকিবগী মশক ওইরবা, তেল অদুনা শাকু কন্না পাইশিল্লকপা মতম অদুদা, তেন্না মথুং লোমনবা সাত্যকিনা থিন্নং তৌবগুম্না তেল অম কাপশিল্লকন্না কর্ণগী তেল অদুবু অতুপ [illegible] খোলা ককখৎখি ॥১৫॥ মহারাজ! কর্ণনা মাগী তেলবু সাত্যকিনা [illegible] [illegible] ককখৎখিবদু উবদা খোইদোক্লা শাউখিদুনা মাইপে পুং তেন্না পুম্বদ্ মন্না কাপশিল্লকন্না সাত্যকিবু মনা পুম্বা

বিব্যাধ চৈনং সমরে নারাচৈস্ত্রিভিরেব চ। তং প্রত্যবিধ্যচ্ছৈনেয়ঃ শরৈর্বহুভিরুত্তমৈঃ ॥১৭॥
ততো যুদ্ধং মহারাজ! চক্ষুঃশ্রোত্রভয়াবহম্। আসীদ্ঘোরঞ্চ চিত্রঞ্চ প্রেক্ষণীয়ং সমন্ততঃ ॥১৮॥
সর্বেষাং তত্র ভূতানাং রোমহর্ষোঽভ্যজায়ত। তদ্দৃষ্ট্বা সমরে কর্ম কর্ণশৈনেয়য়োর্নৃপ! ॥১৯॥
এতস্মিন্নন্তরে দ্রৌণিরভ্যয়াৎ সুমহাবলঃ। পার্ষতং শত্রুদমনং শত্রুবীর্য্যাসুনাশনম্ ॥২০॥
অভ্যভাষত সংক্রুদ্ধো দ্রৌণিঃ পরপুরঞ্জয়। তিষ্ঠ তিষ্ঠাদ্য ব্রহ্মঘ্ন! ন মে জীবন্ বিমোক্ষ্যসে ॥২১॥
ইত্যুক্ত্বা সুভৃশং বীরঃ শীঘ্রকৃদ্ভিঃ শিতৈঃ শরৈঃ। পার্ষতং ছাদয়ামাস ঘোররূপৈঃ সুতেজনৈঃ ॥২২॥
যতমানং পরং শক্ত্যা যতমানো মহারথঃ। যথা হি সমরে দ্রোণঃ পার্ষতং বীক্ষ্য মারিষ! ॥২৩॥
তথা দ্রৌণিং রণে দৃষ্ট্বা পার্ষতঃ পরবীরহা। নাতিহৃষ্টমনা ভূত্বা মেনে মৃত্যুমাত্মনঃ ॥২৪॥
(যুগ্মকম্)
স জ্ঞাত্বা সমরেঽঽত্মানং শস্ত্রেণাবধ্যমেব তু। জবেনাভ্যদ্রবদ্দ্রৌণিং কালং কালমিবক্ষয়ে ॥২৫॥

তেম্না পুমরোম রোমহনখ্রে ॥১৬॥ অদুদগী অমুক কর্ণনা থৌরবা য়েত্থুম মচীন শাবা তেল তরেৎনা সাত্যকিদা থাখি। অদুদগী সাত্যকিস্তু করিমত চিংনবা থুকৎপা তৌদনা কর্ণদা কয়া কয়া থারকই ॥১৭॥ মহারাজ! অদুদগী সাত্যকিগা কর্ণগা অনীগী লান অসিদা মীৎ-নাকোং অনীমক্তা হায়নীঙঙায় লৈতনা ওকিবগী মশক ওইখি। অনীসিনা তৌথোরকপা হীরম পুম্বা য়েংননীঙায় মশকনি ॥১৮॥ মহারাজ! লালকম অসিদা কর্ণ সাত্যকি অনীনা তৌনরকলিবা থবক মত্তা অমদি লাল্লোং অসি উবদা অউবশিংগী থম্মোইদা অকিবা মিপাইবা ভুজুংবা পোকখি ॥১৯॥ অনীনা অসুম তৌনরিঙৈ মতম অসিদা অশ্বত্থামা অসি য়েক্লবগী মকমদা অকিবগী মশক ওইবা, য়েক্লবশিংগী শক্তি অমদি থৱাইবু খুদক্ত লৌওম্বা ধৃষ্টদ্যুম্নয়োমদা প্রপ্রপ চঙশিল্লকই ॥২০॥ য়েক্লব জমগনবা অশ্বত্থামানা থোইদোকনা অশাউবগা লোয়নচুনা ধৃষ্টদ্যুম্নদা অসুমা হায়রকই—"হায়! ব্রাহ্মণ হাৎপা! নং ঙসি ঐগী মাঙদা লেপ্লু! নং ঙসি ঐগী ঈথুত্তগী হিংন হিংনদি নাম্থোকপা য়াগোইদৌবনি হৈ!" ॥২১॥ মরিল লৈরবা, খুৎলৈ থুরবা অশ্বত্থামানা অসুমা হায়রগা থোরবা অকিবগী মশক ওইরবা, মচিন্দা হু হাপলবা, ঈরংলংলবা তেল মপৈ মপৈনা ধৃষ্টদ্যুম্নগী মশা পুম্বা কুপশিহন্খ্রে ॥২২॥ ঈকায়খুম্নবগী মশক ওইরবা মহারাজ! মশামথন্তবু ঙাকচবদা থোইনা চেকশিন্বা মহারথী দ্রোণনা মাগী মৃত্যুস্থান ওইগদৌরিবা অদুগা মশাগী শক্তি মতুংইন্না কয়া হোৎনরিবা ধৃষ্টদ্যুম্নবু উরগা মশাদা থুক লাউবা, খুংঙাইতবা পোকখিবহুঙমা অদুগা ধৃষ্টদ্যুম্ন হায়বসিগী মথুত্তা থরাম থাগদৌরিবনিকো হায়বসি মশানা খঙলবঙমা, মহারথী ওইরবা য়েক্লব জমগনবা ধৃষ্টদ্যুম্ননা অশ্বত্থামাবু মশাগী মরোইবা য়েক্লবনি অদুগা মাগী মথুত্তা থরাই থাগদৌরি- বনিকো—হায়বনি মথুংগী ঈপুং খুংঙাইতনা, মপুক্কী ভয়াং জশোয়নবা মুৎ পাঙখি ॥২৩—২৪॥ [illegible] তুরবা [illegible]না মশাগী অদুক [illegible] অমুনা [illegible]পা [illegible] হায়বনি [illegible]না প্রলয়গী

দ্রৌণিস্তু দৃষ্ট্বা রাজেন্দ্র! ধৃষ্টদ্যুম্নমবস্থিতম্। ক্রোধেন নিশ্বসন্ বীরঃ পার্ষতং সমুপাদ্রবৎ ॥২৬॥
তাবন্যোন্যন্তু দৃষ্ট্বৈব সংরম্ভং জগ্মতুঃ পরম্। অথাব্রবীন্মহারাজ! দ্রোণপুত্রঃ প্রতাপবান্ ॥২৭॥
ধৃষ্টদ্যুম্নং সমীপস্থং ত্বরমাণো বিশাংপতে।। পাঞ্চালাপসদাদ্য ত্বাং প্রেষয়িষ্যামি মৃত্যবে ॥২৮॥
(যুগ্মকম্)

পাপং হি যত্ত্বয়া কর্ম্ম ঘ্নতা দ্রোণং পুরা কৃতম্। অদ্য ত্বাং তপ্স্যতে তদ্বৈ যথা নকুশলং তথা ॥২৯॥
অরক্ষ্যমাণঃ পার্থেন যদি তিষ্ঠসি সংযুগে। নাপক্রামসি বা মূঢ়! সত্যমেতদ্ব্রবীমি তে।
এবমুক্তঃ প্রত্যুবাচ ধৃষ্টদ্যুম্নঃ প্রতাপবান্ ॥৩০॥
প্রতিবাক্যং স এবাসির্মামকো দাস্যতে তব। যেনৈব তে পিতুর্দত্তং যতমানস্য সংযুগে ॥৩১॥
যদি তাবন্ময়া দ্রোণো নিহতো ব্রাহ্মণব্রুবঃ। ত্বামিদানীং কথং যুদ্ধে ন হনিষ্যামি বিক্রমাৎ ॥৩২॥
এবমুক্ত্বা মহারাজ! সেনাপতিরমর্ষণঃ। নিশিতেনাথ বাণেন দ্রৌণিং বিব্যাধ পার্ষতঃ ॥৩৩॥
ততো দ্রৌণিঃ সুসংক্রুদ্ধঃ শরৈঃ সন্নতপর্ব্বভিঃ। আচ্ছাদয়দ্দিশো রাজন্! ধৃষ্টদ্যুম্নস্য সংযুগে ॥৩৪॥

মতমদা মহাকাল হায়বহুনা যমরাজগী মায়ৈগেদা চেনশিন্বহুগুমা ধৃষ্টদ্যুম্ননা অকিবা চিংনবা লৈতনা অশ্বত্থামাগী মায়গেরোমদা চেন্শিন্থি ॥২৫॥ নিংথৌ অথোইবা! মতম্ অসিদা কন্নবা অশ্বত্থামাস্থ ধৃষ্টদ্যুম্ননা শোক্নগদবগী চঙশিল্লকপহ উবদা শাউবনা নুংশা মপী ফুইন ফুইনা হোন্দুনা মত্তোল্লোমদা ফুজিন্থি ॥২৬॥ মথোয় অনীস মুথা মুথি ওইনা লেপ্পখিহুনা অমনা অমবু চাগদৌবা মথৈ মমীৎ কুপ্তনা থানা য়েংনহুনা ওহাক্ লৈমিন্নে। অহুদগী ওহাক লৈয়গা অশ্বত্থামানা মনাক্ত মায়োক্কনা লৈরিবা ধৃষ্টদ্যুম্নদা শাউহুনা "হে! পাঞ্চাল পাপী! ব্রাহ্মণ—হাৎপা! নংবু ঙসি যমালয়দা থাবিরনি -" অসুম্না হায়রকই ॥২৭-২৮॥ মহাপাপী! নংনা মথুক্ত থুৎলায় য়াওব্রবা ঊপা দ্রোণ ব্রাহ্মণবু হাৎখি। কন্নবা নংগী নপাপ অহুনা থুৎলায় ওইহুনা নশা নথক্তবু চাক্ চেক্কদৌরবনি থওক্ ॥২৯॥ "হে! অপঙবা মূর্খ! মহাপাপী! অর্জুননা নংবু কনবিন্রবা মতম অসিদা নং নথক্ত লৈরি। তাক্লা অসিদা নথ্বাই কন্নবা চেক্লখিন্রবা, অহু ওইরবদি, ঐ রাশক্ক্নবা হায়খিন্নিবসিনি ঙসি, সত্যনা সাক্ষী ওইসনু নথ্বায় লোগনি" অশ্বত্থামানা অসুম্ন হায়রকলবদা ধৃষ্টদ্যুম্ন করি খুম্বগে হায়ববু-নংগী নপা দ্রোণ হায়বা কন্নবা ব্রাহ্মণ অদো মশাকু কন্নবা য়াম্না হোৎনজখি। তাক্লাহুদা নপাগী মওক কক্পিবা থাঙ অসিনা নংগী নওকসু ককনি। নংনা ঙাকুলিবহুগী পাউথুমদি থাঙশাং অসিনা পীগনি ॥৩০—৩১॥

"কন্নবা, তোল্লবা ব্রাহ্মণ অহুবু হাৎপা! ঙন্নবা ঐনা করিগীদমক মাপী মচা নংবুদি হাৎপা ঙম্লোই"? ॥৩২॥ মহারাজ! অহুদগীদি ধৃষ্টদ্যুম্ননা অসুম্না হায়রগা অশ্বত্থামাদা থৌরবা তেন অমনা কপ্পা থাখি ॥৩৩॥ মহারাজ! অদুগী তুংদা খোইদোক্লা শাউরবঃ অশ্বত্থামানা থৌরবা

নৈবান্তরীক্ষং ন দিশো নাপি যোধাঃ সমন্ততঃ। দৃশ্যন্তে বৈ মহারাজ! শরৈশ্ছন্নাঃ সহস্রশঃ ॥৩৪॥
তথৈব পার্ষতো রাজন্! দ্রোণিমাহবশোভিনম্। শরৈঃ সংছাদয়ামাস সূতপুত্রস্য পশ্যতঃ ॥৩৫॥
রাধেয়োঽপি মহারাজ! পাঞ্চালান্ সহ পাণ্ডবৈঃ। দ্রৌপদেয়ান্ যুধামন্যুং সাত্যকিঞ্চ মহারথম্।
একঃ সংবারয়ামাস প্রেক্ষণীয় সমন্ততঃ ॥৩৭॥
ধৃষ্টদ্যুম্নস্তু সমরে দ্রৌণেশ্চিচ্ছেদ কার্ম্মুকম্ বেগবৎ সমরে ঘোরং শরাংশ্চাশীবিষোপমান্ ॥৩৮॥
স পার্ষতস্য রাজেন্দ্র! ধনুঃ শক্তিং গদাং ধ্বজম্। হয়ান্ সূতং রথঞ্চৈব নিমেষাদ্ব্যধমচ্ছরৈঃ ॥৩৯॥
স ছিন্নধন্বা বিরথো হতাশ্বো হতসারথিঃ। খড়্গমাদত্ত বিপুলং শতচন্দ্রঞ্চ ভানুমৎ ॥৪০॥
দ্রৌণিস্তদপি রাজেন্দ্র! ভল্লৈঃ ক্ষিপ্রং মহারথঃ। চিচ্ছেদ সমরে বীরঃ ক্ষিপ্রহস্তো দৃঢ়ায়ুধঃ ॥৪১॥
রথাদনবরূঢ়স্য তদদ্ভুতমিবাভবৎ। ধৃষ্টদ্যুম্নন্তু বিরথং হতাশ্বং ছিন্নকার্ম্মুকম্ ॥৪২॥
শরৈশ্চ বহুধা বিদ্ধমস্ত্রৈশ্চ শকলীকৃতম্। নাশকদ্ভরতশ্রেষ্ঠ! যতমানো মহারথ ॥৪৩॥
(বিশেষকম্)
তস্যান্তমিষুভী রাজন্! যদা দ্রৌণির্ন জগ্মিবান্। অথ ত্যক্ত্বা ধনুর্বীরঃ পার্ষতং ত্বরিতোঽন্বগাৎ ॥৪৪॥

তেলঙ্গাক্ত মপৈ মপৈ কাপশিল্লকতুনা ধৃষ্টদ্যুম্নগী মশাপুং' তেম্না পূময়োম্ য়োম'শলহনখ্রে ॥৩৪॥ মহারাজ! মতম অসিদা অশ্বত্থামাগী লীরীদগী পাইথোকপা তেলমক্তনা আকাশ পাতাল মায়গৈ শলাই অমত মশক্ উখিত্রে ॥৩৫॥ মহারাজ! কন্নবা ধৃষ্টদ্যুম্নন্থু অশ্বত্থামানা তৌবগুম্না তেস্তনা মাবু পূময়োম্ য়োম্হনখি ॥৩৬॥ মহারাজ! অমরোমদা কন্নবা, শাওং-শাদা কজয়বা কর্ণনস্থু মতোমতনা পাণ্ডব, পাঞ্চাল, দ্রৌপদীগী মচাশিংবু অহুগা যুধামন্যু অহুগা সাত্যকিবু খিংহনা থমখি ॥৩৭॥ মতম অসিদা ধৃষ্টদ্যুম্ননা অশ্বত্থামাগী মথুক্ত খুন্নম্ চেৎনা পান্নাবা লীক্রং অহুবু অহুগা লিলগা মান্নবা মহূ কন্নবা তেলশিং অহুবু অমুক্তদা ককথংখি ॥৩৮॥ নিংথৌ অথোইবা! মতম অহুদা অশ্বত্থামানা মীকূপ অমগী মন্নুদা লীকং অমা পায়থৎখিহুনা ধৃষ্টদ্যুম্নগী লীক', থাঙ তা গদা, খিয়াল, রথ সারথি লোয়না উৎ ওইনা মাগুহনখি ॥৩৯॥ লীক্রং তেল্ রথ, শগোল সারথি লোইনা তুমহনখ্রবদা ধৃষ্টদ্যুম্ন অসি শাংলবা খৌরবা থাঙশাং অমগা থা চামথোক্লা য়েক্লবা পাকচাউরবা চুঙোয় অমগা পায়থৎখি ॥৪০॥ নিংথৌ অথোইবা,! মহারাজ! মহারথী ওইরবা মথুং থুরবা খুকম চেৎনা খুৎলায় পায়বা, কন্নবা অশ্বত্থামানা তামচীন শাবা তেল মন্নাম কপশিল্লকতুনা ধৃষ্টদ্যুম্নগী থাঙ অহুগা চুঙোয় অহুগা ককৎখি। ভরতপাগৈগী অথোইবা মহারাজ! মহারথী অশ্বত্থামানা কনা কন্নদি—হোৎনৈ হায়রবু, তেল মন্নম্নম্ কাপশিল্লকতুনা ধৃষ্টদ্যুম্নবু লীক্রং তেল্ রথ সারথি শগোল থাঙ তা অমত রাওহন্ত্রবস্থু অহুগা মাগী মশাহুবু ঈহং নাইহং শাহনখ্রবস্থু হাৎপক্তবি ঙম্নাদ্রে ॥৪১-৪৩॥ মহারাজ! অশ্বত্থামানা ধৃষ্টদ্যুম্নবু হাৎপা মগুমদবন্থুদা অশ্বথাম। অসি লীক্রং

অশীলাপ্রহতো বেগস্তস্য রাজন্! মহাত্মনঃ। গরুড়স্যেব পততো বিষ্ণোঃ পন্নগোত্তমম্ ॥৪৫॥
এতস্মিন্নেব কালে তু মাধবোঽর্জ্জুনমব্রবীৎ। পশ্য পার্থ! যথা দ্রৌণিঃ পার্ষতস্য রথং প্রতি।
যত্নং করোতি বিপুলং হন্যাচ্চৈনং ন সংশয়ঃ ॥৪৬॥
তং মোচয় মহাবাহো! পার্ষতং শত্রুকর্ষণ!। দ্রৌণেরাস্যমনুপ্রাপ্তং মৃত্যোরাস্যগতং যথা ॥৪৭॥
এবমুক্ত্বা মহারাজ! বাসুদেবঃ প্রতাপবান্। প্রৈষয়ত্তুরগাংস্তত্র যত্র দ্রৌণির্ব্যবস্থিতঃ ॥৪৮॥
তে হয়াশ্চন্দ্রসঙ্কাশাঃ কেশবেন প্রচোদিতাঃ। আপিবন্ত ইব ব্যোম জগ্মুর্দ্রৌণিরথং প্রতি ॥৪৯॥
দৃষ্ট্বায়াতৌ মহাবীর্য্যাবুভৌ কৃষ্ণধনঞ্জয়ৌ। ধৃষ্টদ্যুম্নবধে যত্নমকরোৎ স মহাবলঃ ॥৫০॥
বিকৃষ্যমাণং দৃষ্ট্বৈব ধৃষ্টদ্যুম্নং জনেশ্বর!। শরাংশ্চিক্ষেপ বৈ পার্থো দ্রৌণিং প্রতি মহাবলঃ ॥৫১॥
তে শরা হেমবিকৃতা গাণ্ডীবপ্রেষিতা ভৃশম্। দ্রৌণিমাসাদ্য বিবিশুর্বল্মীকমিব পন্নগাঃ ॥৫২॥
স বিদ্ধস্তৈঃ শরৈর্ঘোরৈর্দ্রোণপুত্রঃ প্রতাপবান্। উৎসৃজ্য সমরে রাজন্! পাঞ্চাল্যমমিতৌজসম্ ॥৫৩॥
রথমারুরুহে বীরো ধনঞ্জয়শরার্দ্দিতঃ। প্রগৃহ্য চ ধনুঃ শ্রেষ্ঠং পার্থং বিব্যাধ সায়কৈঃ ॥৫৪॥
(যুগ্মকম্)

মেন্দ্ খাদোবক্নমহুনা মকি তাখৎতুনা ধৃষ্টদ্যুম্ন তম্ম প্রপ্রপ্ চেল্শিন্নবৃই ॥৪৪॥ মহারাজ! অশ্বত্থামানা ধৃষ্টদ্যুম্ন তম্মা চেল্শিন্নকপসি গরুড়না লীঙ্গাও অমবু কাগে হায়রতুনা ফুজিন্নকংস মতায় ॥৪৫॥

মতম্ অসিদা কৃষ্ণনা অর্জ্জুনদা হায়রকই:—"য়েঙ্! অর্জ্জুন! অশ্বত্থামাসে ধৃষ্টদ্যুম্নগী রথ লোমদা চুমথ্রিং ফুজিন্নক্লি। শোয়দনা মহাৎখিবা তারে। মসিদা 'চংনকন কবিস্ন নৈত্রবনি ॥৪৬॥ অদুনা য়েক্লবা গুম্বা! অকনবা অর্জ্জুন! যমগী মথয়াত্ত' চেংশিনগ্রবগুম্ন অশ্বত্থামাগী মনাক্ত চংশিন্দ্রব ধৃষ্টদ্যুম্ন অসিবু কন্নবা তৌ ॥৪৭॥ মহারাজ! মতীক্ মগুণ চাউরবা কৃষ্ণনা অসুম্না হায়রবদা অশ্বত্থামানা লৈরিব অদোমদা অর্জ্জুন অসি মাগী রথ প্রপ্রপ্ খোজলহল্লকই ॥৪৮॥ সারথি কৃষ্ণনা খৌরিবা, থাগী মচুগী মতৌগুম্না ঙৌরুনরবা, শগোল্শিং অদুনা মমায় লোংনা আকাশবু থকচিল্লগে হায়বগী মতাগুম্ অশ্বত্থামান লৈরিবা অদোমদা পইশিল্লকই ॥৪৯॥ অ.সামদা অশ্বত্থামাসু কৃষ্ণ অর্জ্জুন অনীনা চত্তশিল্লবপন্থ উবদ থুনা যত্ন ধৃষ্টদ্যুম্নবু হাৎহোগদবগী কন্ন হোৎনরক্লে ॥৫০॥

মহারজ! অশ্বত্থামানা চেনশিন্দুনা ধৃষ্টদ্যুম্নগী মশম্ পায়দুনা শ্রে শ্রে লাক্তুনা চিংতকপা মতম্ অসিদ অর্জ্জুননা অশ্বত্থামাদা তেল মনম্ মনম্ কাপশিল্লকই ॥৫১॥ অর্জ্জুনগী গাণ্ডীবদগী পাইথোরকপা তেল ময়াম অদুনা, লিক ময়াম্না লৈশোগী মখুন্দা চত্তশিনখিবগুম অশ্বত্থামাগী মশাদ চণ্ডখি ॥৫২॥ মহারাজ! মতীক্ মগুণ চাউরবা অশ্বত্থামা অসি অর্জ্জুনগী তেল ময়াম অদুনা য়াম্না শাখিনা শানথনখিবদুদা ধৃষ্টদ্যুম্নবু খাদোক্লম্মগা মাগী রথদা থুনা হাণ্ডনা চোংখৎখি। অদুদগী মাগী লীকংবু শুহুন্ চেৎনা পায়দুনা অতোপ অথম লৈতনা কাপশিল্লক্লুনা অর্জ্জুনগা য়েন্নো হৌখি ॥৫৩-৫৪॥

এতস্মিন্নন্তরে বীরঃ সহদেবো জনাধিপ ।। অপোবাহ রথেনাজৌ পার্ষতং শত্রুতাপনম্ ॥৫৫॥
অর্জ্জুনোঽপি মহারাজ ! দ্রৌণিং বিব্যাধ পত্রিভিঃ । তং দ্রোণপুত্রঃ সংক্রুদ্ধো বাহ্বোরুরসি চার্পয়ৎ ॥৫৬॥
ক্রোধিতস্তু রণে পার্থো নারাচং কালসম্মিতম্ । দ্রোণপুত্রায় চিক্ষেপ কালদণ্ডমিবাপরম্ ॥৫৭॥
ব্রাহ্মণস্যাংসদেশে স নিপপাত মহাদ্যুতিঃ । স বিহ্বলো মহারাজ ! শরবেগেন সংযুগে ॥৫৮॥
নিষসাদ রথোপস্থে বৈক্লব্যঞ্চ পরং গতঃ । ততঃ কর্ণো মহারাজ ! ব্যাক্ষিপদ্বিজয়ং ধনুঃ ॥৫৯॥
অর্জ্জুনং সমরে ক্রুদ্ধঃ প্রেক্ষমাণো মুহুর্মুহুঃ । দ্বৈরথঞ্চাপি পার্থেন কাময়ানো মহারণে ॥৬০॥
(বিশেষকম্)

বিহ্বলং তন্তু বীক্ষ্যাথ দ্রোণপুত্রস্য সারথিঃ । অপোবাহ রথেনাজৌ ত্বরমাণো রণাজিরাৎ ॥৬১॥
অথোৎক্রুষ্টং মহারাজ ! পাঞ্চালৈর্জিতকাশিভিঃ । মোক্ষিতং পার্ষতং দৃষ্ট্বা দ্রোণপুত্রঞ্চ পীড়িতম্ ॥৬২॥
বাদিত্রাণি চ দিব্যানি প্রাবাদ্যন্ত সহস্রশঃ । সিংহনাদাংশ্চ চক্রুস্তে দৃষ্ট্বা সংখ্যে তদদ্ভুতম্ ॥৬৩॥

মহারাজ ! মরক অসিদা সহদেবনা প্রপ্রপ, থৌজিল্লকতুনা ধৃষ্টদ্যুম্নবু মাগী রথ মথক্ত হাপকৎতুনা অতোপ্পা মফম অমদা পৈদোকখি ॥৫৫॥ মহারাজ ! অর্জ্জুননা থৌর থৌরবা তেন্না অশ্বত্থামাবু কাপশিল্লকপা অহুগুম্না অশ্বত্থামানসু গনম মনম কাপশিল্লকতুনা অর্জ্জুনবু তেন্না পুময়োম য়োমশিল্লকন-থ্রে । থোইদোক্না কল্লবা অশ্বত্থামানা অর্জ্জুনগী থবাক্তা পাম্বোম মরুদা কয় কয়া পাজিল্লকই ॥৫৬॥ মতৌ অদুগুম্না অশ্বত্থামানা অশাউবা পোকহনপ্রবা অর্জ্জুননা যমদণ্ডগী মশক্ ওইরবা থৌরবা তেল অমা অশ্বত্থামাদা কাপলকই ॥৫৭॥ মহারাজ ! য়েৎহুম্ মচীনশাবা তেল অহুনা পাইশিনখিগনা অশ্বত্থামাগী পাম্বোম মরু মরেংবান্দা কয়া থাখি । তেল অহুনা পানবদা অশ্বত্থামা অসি অমাং মাওহুনা রথ মথক্ত মক্লুক্তা ফমুখখি । মাহুউবদা কর্ণ অসি শাউবনা মৈ হৌখিহুনা অর্জ্জুনদা হন্না হন্না খানা য়েংহুনা মাগা মুখামুখি ওইনা মশোক্লরগে হায়না খন্দুনা মাগী বিজয় কৌবা লীরুং অহুবু থুহুম্চেৎনা পায়খত্তুনা লীরী কয়া চিংবা হৌরকই ॥৫৮-৬০॥ অহুগী তুংদা অশ্বত্থামাগী সারথিনা অশ্বত্থামানা বাহ্বখিবহু উবদা রথমথক্ত হাপকত্তুনা লানকম অহুনগী লাপা থৈদোকখি ॥৬১॥ মহারাজ ! অহুগী তুংদা লাল ওন্নবা পঞ্চালশিংনা, অশ্বত্থামাগী মথুগী ধৃষ্টদ্যুম্ননা নাহোকখিবা অহুগা অশ্বত্থামানা বাহ্বহুনা হন্দোকখিবহু উবদা পুংশেল যন্ত্রশিংগী খোঞ্জেগা লোয়ননা সিংহনাদ লাউনখি ॥৬২॥ অহুগুপা থৌদোক্ অসি উবদা লাইরৈবাকী পুংশেলযন্ত্র কয়াগী মখোলসু পুমনিন্ নিন্না তাখি । সিংহনাদ কয় কয়া লাউনখি ॥৬৩॥

এবং কৃষ্ণাব্রবীৎ পার্থো বাসুদেবং ধনঞ্জয়ঃ। যাহি সংশপ্তকান্ কৃষ্ণ! কার্য্যমেতৎ পরং মম।৬৪।
ততঃ প্রয়াত্তো দাশার্হঃ কৃত্বা পাণ্ডবতাবিতম্। রথেনাতিপতাকেন মনোমারুতরংহসা।৬৫।

ইতি শ্রীমহাভারতে শতসাহস্র্যাং সংহিতায়াং বৈয়াসিক্যাং কর্ণপর্ব্বণি
দ্রোণ্যপযানে পঞ্চচত্বারিংশোঽধ্যায়ঃ।০। *

——:-০-:——

আসোমদা পৃথানন্দন অর্জ্জুননা কৃষ্ণদা অসুম্না হায়খি :—কৃষ্ণ! রথসে সংশপ্তক লাম্মী রপৈরোমদা থৌজিল্লু। মখোয়বু লোইথোক্পনা ঐগী ঈহান হান্না তৌগদবা থবকনি ॥৬৪॥ মহারথী অর্জ্জুনগী রাতাবদ সারথি কৃষ্ণনা রথঅদুবু সংশপ্তক লাম্মীশিংনা লৈরিবা মকম্ অচতান্না পুশিনখি। রথঅদুনা সংশপ্তক লাম্মীশিংনা লৈরিবা মকম্ অদুতান্না চেল্লকপদা রথঅদুদা য়ুংলিবা থেৎলিবা কিয়াল্লুশিং অদু হাইছন্না খোইদোক্না নীঙথিজৈ ॥৬৫॥

মকম্ অসিদা শ্রীমহাভারতদা শ্লোকলিশিং চামনা শ্রীব্যাসনা লেংবা সংহিতাদ কর্ণপর্ব্বদা "দ্রোণ্যপযান" গী নীকুমঙাশুবা অধ্যায় লোইরে ॥ X

মণিপুরী মহাভারতকী তরাহুমদোইশুবা খণ্ড লোইরে ॥

———